মোইরাং শাইয়োন

অইবা

সরাংথেম বরমণি, সাহিত্য ভূষণ

চীংঙা মখা চনম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল ।

কংফম : রাজেশ বুক ষ্টোর

গভর্নার রোড, ইম্ফাল

অমসুং অতৈ লাইরিক য়োনফমশিং

অইবা মশানা কোংবা

৩ সুবা থুৎনমু, ২০০৩ ইং

হীরম লমায়

১। রাহৌদোক

২। শৈহৌ ১

৩। হেঞ্জুনহা - থোংনাং লাইরোলেম্বী ১৫

৪। শাম্বা নহা লমগানবা -খমনু য়াইদিংকোম্নু ৪১

ক) লৈরাং কাকলৈ ৪৯

৫। য়াংলেন পুংদিংহনবা-চকপা য়াইনু ফিশাহৈবী ৬৪

ক) কংলা য়াইবুং ৬৮

৬। ঙানবা -শংলোলেম্বী ৮৯

ক) লোক্তাকী পাউবীলাই ৯৯

৭। খোয়োন হাওবা - য়াইথিংকোম্নু

ক) খোয়োন তেবী তশারা ১১৯

খ) খোয়োন হাওবনা অঙাং ওইরিভৈ ১২৫

গ) হাওবা কাংদোং ফারকপা ১২৯

ঘ) হাওবা-কোম্নু শকথঙনবা ১৩৭

ঙ) কোম্নু থাজবা ১৪৭

চ) লুহোংবা য়ৈথোকপা ১৫৪

ছ) হাওবা -কোম্নু অমুক উনবা ১৫৯

জ) হাওবগী খোঙ্গুল লীবা ১৬৭

ঝ) কোম্নুনা মপাম খোঙদাবা ১৭৭

ঞ) মমা মচা উন্নবা ১৮৬

ট) কাওবনা লানশিংবা ১৯৫

৮। অকোংজাম্বা-ফৌওইবী

ক) অকোংজাম্বা পোকপা ২০০

খ) ফৌওইবী পোকপা ২০২

গ) অকোংজাম্বা য়ুম্বানবা ২০৬

গ) চাউবা পোকপা — ২৫০

ঘ) থম্বা পোকপা — ২৭১

ঙ) থম্বা-থমন্নুনা অঙাং ওইরিঙৈ — ২৫৭

চ) থম্বা-খমন্নুনা ময়ুমদা চল্লকপা — ২৬৮

ছ) ষণ শেনবা — ২৭৪

জ) থোইবী থমমু শকথঙনবা — ২৮৬

ঝ) লোক্তাক ভামী থেম্বা — ২৯৪

ঞ) কাং শানবা — ৩০৪

ট) পানা কাংজৈ — ৩০৮

ঠ) লৈ চেকপা — ৩২৪

ড) ফি রাযবা — ৩৩৬

ঢ) লৈ লাংবা — ৩৪৪

ণ) প'না লম্জেল — ৩৫৬

ত) ক'ও কাবা — ৩৬৮

থ) টুকায় কাপ্পা — ৩৯৪

দ) তাববুং শাদ'নবা — ৪০৫

ধ) থম্ববু শামুখে''দ' রেৎপা — ৪১০

ন) ক'লা রাযেল — ৪২১

প) থোইবীন কবোদা লোই কুম্ব' ংসুং লোই কাবা — ৪৪৩

ফ) ক'লা রাকৎ — ৫০০

ব) কৈ ফাবা — ৫০৯

ভ) অরোয়বা য়াহিপ — ৫১৪ প

১০। কদেং থাংজহনবা-তোন্নু লাইজিংলেম্বী

ক) শকথঙনবা — ৫১৩ খ) রারেপনবা — ৫২১

গ) কায়নবা — ৫৩২ ঘ) র্যুয়থুংনবা — ৫৪৬

১১। উরা নহ'খোংজোম্বা--পিদোংন্নু

ক) শাইদাংবা — ৫৫৫ খ) শকথঙনবা — ৫৬৩

গ) রাশক তেম্বশিংনবা — ৫৭৫ ঘ) কংলা রাকৎ — ৫৮৩

— — —

হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা মোইরাং কংলৈরোলগী ইথিল

(সংস্কৃতিগী শকলোন, ১৯৯১)

অইবা— এলাংবম নীলকান্ত

মণিপুরগী শন্নাই মাপলগী মচুং চংলিবা মোইরাং শংলাইগা মরী লৈনবা পাক চাউথরবা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্নুং অসি চপ চানা এথোক্ন পুথোক্নবা থিজিনবা তৌগংপদা মখাইদ্রি। তশেংবদি অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী চৌনবুংগী ওইনা চংথরকপগী মায়বৈদ জাতি কয়গী অনীংবা পামজবা অমসুং আশাগী চপ চাবা মশক অমদি হায়রিবা মোইরাং শাইওনগী রারীদা লৈরি। থায়নগী মশক অতুগী শরুক থরুদি পেনা অমসুং খোংজোম পর্বগী ওঝাশিংনা অতংপা লৈতনা শকপিরুনা য়েনবিরি। মোইরাংগী অশৈবশিংগীদা নত্তে, মণিপুরী পুম্নগী ওঝাশিংগী দাননি। পুম্নমক অসিগী মন্নুংদা শরুক মচেৎ অমত্তং সমুদ্রদা তাউবা ঊনগী চৌংথুম তৌরি। মনিংদু শৃঙ্গার রসকা মরী লৈনবা মতাং অমত্তনি। কবি অঙাংহলনা ওঝাশিংদগী লৌশিন্দুনা পুথোকপন্দু থম্ব-থম্মুনা চাউরকপদগী লুহোংবা ফাওরদনি। খোংলেন, চাউবা, পুরেম্বা অসি-নচিংবগী হৌফম লাককমদা অঙকপা অকিবা মশক কয়া লৈরিবতুদি নী থিজ্রনা পুখোক্তি। চহী তাবেং নিপাল অসিগী মন্নুংদা ওঝা হৈস্নাম মাঙোলজাউনা রাংলিবা শরু অসিগী মচেৎ থরদং ইঙ্গিংকুমনা উংলে। শন্নাংথেম বয়মনিস্থু চহী থরগী মন্নাওদগী মোইরাং শাইওন মাপলগী রারী মপুং ফোঙলে। পণ্ডিত ভোগেশ্বরগী মত্তৌংগা লোয়ননা সবিতা দেবীনা অরায়বা লোন্দা ইথোকপগা ফোয়ননা মোইরাং কংলৈলোন ফোঙলে। অসুম্না লীলা ড্রামা অমসুং যাত্রাশিংনসু রারী অসি কনা

মায়রস্থু পুংথাক্লে। অদুর চপ চানা চরিত্রসিং অসিবু শকথংনবা লাক্লবা অমসুং লৈনবগী [illegible] হংজি। মহারাজগী চপ চাবা মশক্তি থৌংথোক্লিবীগী [illegible] (হিঃ অডাংহনবা পুংথোক [illegible]) অসিতসু নত্তে, শাইওন মাপলমক্কী অপুনবা শক্তম অসি ওইকম থোকই। ইংরাজি রাইদা এপিক ওফ গ্রোথ হায়বদু ওইগদবা।

পেনাগা মোইরাং উৈশেগা পুনথিবনা মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা ভিলা দরবার চত্তবা মতমদুনি। পেনা খোংবা এবা চংহনা চাংলোন মাপল [illegible] [illegible], মাইরেংলোন, [illegible] শকপা লোংখ্রবদা মোইরাং ইসৈগী মতৌ অমা হাপ [illegible] পেনা [illegible] মতুংদা পেনাদা চপ চানা শক্তম্বদা থোক্তুনা, [illegible], অমত্তা ফুংদা কৌবা এবা অহুমগা লোয়ননা অনৌবা লৈশক কয়া হাপচিন্দুনা শেমখিবনি। মসিনা এবা মাঙ্গোলজাউগী মতমনি। শরাংথেম বরমণিগী মতুং ইন্নদি ভিলা দরবার হল্লকপদা এবা চনম্বা, পাওম্বা অমদি রাংকুদগী লোইতোংবম তাত্তবা পেনা শকপা এবা অহুম অসিনা শিন্না শিন্ননা মহারাজগী থৌগল তৌখি হায়রি (মোইরাং শাইওন — সরাংথেম বরমনি) এবা চনম্বগী সেবক তোন্দ্রা (হৌদোং খোংবদা মানবদগী কুমচদে মহারাজনা চুংথা হৌদোং মিংথোনবিরম্বা) গী মচা এবা মনিকনা চুড়াচান্দগী মতমদা চংথখিরকই। মতম অসিদা নোংথোম্বম এবা চাউবা (মরাম্বনা কুলিজাউ হায়না খঙনবা) না শকশন্না চালোকা লোয়ননা মোইরাং শাইওন শন্নোকপিরম্বদগী অমুক এবা চৈস্নাম মাঙ্গোলজাউ (এবা কুলিজাউগী সেবক) না হৌজিকসম্ভ হিংলিবা এবা অমোম খোংজাং (রাংজু) না অমুক শয়থবিরকলি। চংথরক্লিবা পরম পরাদা মপুংফা মখেদি মায়রবস্থু এবা এবাগী মত মতুংইরা খেন্নবা থরদি লোয়দনা য়াওপনি। নিংথৌরোলগী মতমদা পেনাদা অমদি ধুলোক্তা মোইরাং শাইওন শকপা এবা কয়া লৈরম্মী। পেনাগী মায়কৈদা হৌজিক

ফাওবা হিংজিনবা ওঝা নিংথোউম মেরা (মুঙোয়) ইস্লাম ইবোমচা (উগ্রান) গী মনিং পনবা য়াই।

সনাংখেম নুরুমনিনা মোইরাং শাইথেন অসি লীবগী হৌরকফম অমা নীংথিজনা পুথোকখি— ওঝাশিংগী মতেং কৌহুনা য়াবীদি নীংথিজনা সংবাগী শক্তম লৌই। কৌব্রু চীংগী লোকমায়দগী পোংমহনবা কদনবা য়াইস্থ লাবনা কপোবা মশানৌ মোয়ী থোকনবী থেংনহুমা মচা অঙোবতোন কাঙাংখি। থুদোং থিবক্রু কিনগী য়াইস্থ কদনবা [illegible] লম পাংখি। মমা মচানা নুংচা লোয়বী থিংঙখদ, ঈবোক [illegible] [illegible] চাদ [illegible] কাংলিব্রবা [illegible] থোকখি। অহুবনা লোক্তাক থোংবান্দা চাউনিংবনা, কেগে মোইরাং কেকোয়-বুংদা থোকখিবা মোইরাং শাইথেনগী য়ারীবু য়াইস্থ লাবনা অমোমদা মথং মথং লৌখিবনি— মতাং মতাংদা চিংবা কোরুবা য়াইস্থ অমোয়া হংজে। শাইথেন-দি কনাগীনো? ওজা মাথেংকতাউগী মতুং ইন্না গুরু শিদবনা তাইবংদা পোকপা শিবা তম্বিক হায়তুন খারকপা পোইরৈ-তোন লৈনাউত্তাবী (মথংদন লোংপোক থিংকৌ পাঙ্খোইবী) গী শায়োয়গী মী। নদমনিনদি অতোম্বা য়ারী অম [illegible]রি। য়ামায়ুনবু চপ চানা নীংশিংহনদা, মাগ্নবদি নত্তবা। অথিবা গুরু শিদনা মপুনা মতিক অচৌববু কোওলোকে খরহুনা থুগ্ন লানা অমোম অনিথক শেমখি। অনিমক্কা শেম্বিবা মপুবু থক কাউদে। অনিমক কেগে মোইরাং লৈবাক্কী থুংলানদা কেগে শাদানবনা অহানবদা অমোমদা মথংদা লাবদা [illegible] কাঙ্গনগী অনিমক গুরুগী মিংলেন শোম্বুনা য়াইবী মাওখি। ([illegible] পানখিবা মফমাই লমাজেন খুম্বতা) লেম্না য়াইবীদি মাওবা য়াদহুনা গুরুনা মপোক লাংঙন কয়াদা মীওইপোক্তা লাকুনা লীলা শাম্বরুবা চিংগু থাংজীংদা শীন্নখি। নীংথিজগবা য়ারী ওাকনি। য়ামায়ুনদা অমুক য়েংসি। দেবর্ষি নারদগী মফমদগী রামগী য়ারী মুখি অথোইবা

বাল্মীকিনা তাঙবা তুংদা তমসা তুরেলগী মপাল্দা শিষ্য ভরদ্বাজগা লোয়ননা লৈরিঙৈদা খুনু লানবা শাকান্দনা তেন্না কাপলিবনা খুমু অমোমগী মীকপ মীরাঙথোক্লদনা ফোংকিনা তঙ্কনবা শ্লোক— "মা নিষাদ প্রতি- ষ্ঠাং ... . চৈফ্যি।" মহাক অকোন্দনা লাং হৈনা নৈংশিংবদনি মুং- ঙাইজনিংবা খুমু মতৈ মনাংগী ঋষিপণ্ডিতক। অদুকপা চন্দদা থোরকপা শৈরেং অসিদা বাল্মীকি হৌকথি। মতুংদা ব্রহ্মানা শাৎতুনা নারদদগী তাখিবা রামা পুম্বা অমত্তা চিংথদনা ইয়ু হায়না তাকপিবদগী বাল্মীকিনা রামায়ণ ইবা হৌথি। মথক্কী মোইরাং শাইওনগী তৌবা রামাসিগা বাল্মীকি রামায়ণগী রামাসিগা মসক্তি নকুরবসু রামা মপুংদি তোঙাল তোঙাল্লি। অদুবু মণিপুরগী অশৈবাশিংগী কল্পনাগী শক্তি অমসুং ফজবা অসিবুদি থাগংতবা ঙমদে।

মোইরাং শায়োন মাপলনি। মথক্কী উরোক লাবনা পাউচত্নকপা শায়োন্দা মথং মথং অমুম্না ওইরি— হেঞ্জুনহা-খোংনাং লাইরোকলেম্বী, শাম্বা নহা লমগনবা থমমুং য়াইদিংকোমু, রাংলেন পুংদিংহনবা- চক্প্রেম য়াইমু ফিশাহৈবী ঙানবা-শংতৌলেম্বী, খম্ব-থোইবী, কদেং থাংজহনবা-তোমু লাইজিংলেম্বী; উরা নহা খোংজোম্বা-পিদোমুং। ওজা মাংগোলজাউগী মাপল ফাওবদি য়ামগা মঙ্গিংদা অমানিদি শোয়নৈ। মতম অসিমক্তদা মণিপুরদা থায়নগী অম্রিবা ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিদা থোইদোক্লম্বু মোইরাং কংলৈরোন্দা কুপ্না য়েংশিনবা মতমনি। মণিপুরগী পানা মরিমক্তা মাগী মাগী থিয়েটর হোলশিংদা অঙম্বা শক্তিগী মতুং ইন্না মোইরাং কংলৈরোন অমসুং শায়োনগী লীলাশিং কেপ্পুনা শাক্নবা হৌন- রকনি। মতম অসিদা ইশান হানবা স্বাধীন ভারতকী ড্রামা ফেস্টিভেল ১৯৫৪ দা সঙ্গীত নাটক একাদেমীনা শিনবদা এম: ডি: ইউ: গী হাওরং নৈশাং শাফবীনা ফোক গ্রুপতা ফাষ্ট প্রাইজ ফংলকপা নীংশিংবা য়াই। লাইনককথীবদি শায়রিবা লীলাগী ভোল্যুম অসি থম্না মগুনা অতৈদি তা তাহুনা ফোংদোকপা ঙমদনা লৈরি। পুম্নমক অসি ফোংদোক্লবদি অচৌবা নাট্যগী সাহিত্য মচাক ওইগদবনি।

ৱাহৌদোক

পেনাগী শৈহেক শৈদাদা মৈত্রবাক শীনব থুংনা শৈশক্লৱম্বা পাখং লৈশাবী কয়াগী থুল্লং তৈরান শৈশক্তা থুঙ্গং লৈকায চান্দুনা চোইজিং লোইয়া নিল্লম্বা, অশৈবগী শৈরেংদা খোরিবগী ৱারেং শৈথাদা পূকনিং মু'ওম্না মুংশিরব। মোইরাং শাইওন মাপলগী মরিকচুম্বা ৱায়ীশিং অসি শক-নাইবা পেনা শকপা অনদি ফমুশক ওঝাশিংগা মতম চ'না খেংনজহৌবা অম্দি মোইরাং কংলৈবোল, নিংথৌরোল, শৈশকলে ননচিংবা পূয়া কয়াগী মখেংনা ইজবনি। কেগে মোইরাং কৌথিবসি মোইরাং কংলৈরোন (শৈশকলোন) পুযাদা অসুম্না ইবিরম্মী। খেতযুম লাইয়িংথৌনা নমু তাইবং মীগা খেংনবে হায়বগী থাংজীং কৌয়ে। মচারা খোয়োন ভাংখ লময়াই খায়না থুন্দানবা মোংলরে হায়বগী মোংবহনবা কৌযে। লাই-যিংথৌ মোংবহনবনা মালেম লৈম্না য়াইকোলমুং ভাঙ্তোই মোইরেন মপূং-য়াইদা থুন্নাহুন য়রানয়াই ওইথি। মোংবহনবগী হবানয়াই ওই হাযবগী মোইরাং কৌয়ে। মালেম অপুম্বগী মপু লাইগীমু লাই অথোইবা ওইরিবা মচারা মোংবা মরানয়াইদগী কেনা নৌনা থোক্লুনা তাইবং মীগী নিংথৌ ওইরে হায়বগী কেকে (কেগে) কৌয়ে। খোযুম লাই খিবিক্লা কোয়শিল্লগা পানবা লাইনি হায়বগীমু কোয়রেল লাই কৌখ। কেগে পেকপা শোরারেল মোইরাং শেম্বা কাশায়েল খোয়ুম লাংবুম অয়ীবা চিংঙু থাংজীং কোয়রেললাই, কোন্দুম য়াইমক শিদবা, য়োংবী খুরুম্ম তোংবা শেঙ্গা চৈম্নু পান্নোয়নবা, সনা থম্বাল থেনগানবা, মুংবী শিদবা থুনেংনবা নুংনাং নাদবা থূদানবা, পামেল উথম্বাল নমস্তানবা, লাইয়িংথৌনা মশানৌ খোইমোম লাইরেম্মা কোয়মেল লৈমা ইবেম্মা, সুকম থনবদ রাঙম্বী, লাংমা থনবদা রাতেম্বী, ফজ্রি মৈমাঙ কমলিবী থাউমৈ মাপল থ'নবী, নোংজুদনা শাইচোংপী মুংশাদনা ফৌগংবী, পাশোং লংলোই তানবী

লমথোইবী খোয়নৌ মতাশিংনা শেংকিবীগা মশানৌ তালেংয় অতোনবী অয়াং লৈমা পাম্থোইবী, মত্থ থোংনাং লৈমা, থবীরেল শেল্লোইনবী, মালংস্থ চৈরোইনবী, খঙ্গালগা ঊরোইনবী নমু তাইবং মী শেম্বী, মথৌ মঙম থোয়াংবী, কুমজা কুমশিং থাকোনবী, লোইদাম থায়াম মু কোনবী, থোরম্ব থোদাং থোপুবী, মে নম্ব স্থনা থাঙজিং লাংলা লংঙুম স্থংজিননা, পান্থেল কেক্রু মরুঙুম থাঙওননা লোক্লাক খায়াশা, মোবী রানা পোশংক্লেন চীংমৈ খেংনা খুন্দাহ্নুনা তোনজৈ থাপান থক্তা খম্বী মৈরালন্নবুন কেগে চাউবাপুং মোইরাং শাংবা য়াইদা অরাৎ অপা লৈতনা স্থংঙাই মরাং কায়নবা চাকহ্রাং ঙাক্তাংনা খুলজাও লৈচাওনা পান্নবা থোশিল থোয়াংবিরিবা চিঙু খেয়ুম লাইরিংথৌনে।

কলি কুমশিং ৩১৬৫ (খৃষ্টাব্দ-৬৩) দা য়ারিবোক্বী মচানুপ নোংদা লাইরেন পাখংবনা মৈত্রবাক্তা নিংথৌ ওইখি। মাগী মথংদা মচানুপা থুইয়োই তোম্পোক মশু তাউথিংমাং, খুই নিংঙাম্বা, পেংসিবা, কাওথংবা নাউথম্বা মখোয় নিংথৌ তরেং অসি লাইগী নিংথৌনি হায়না খঙনৈ। মৈদিংঙু নাউথম্বগী মচানুপা নিপালস্থবা নাউকংবনা খৃঃ ৪২৮ দগী ৫১৮ ফাওনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মাবু মীগী নিংথৌ অহানবা হায়না চৈথারোল কুম্বাবদা ইরি। কেগে মোইরাং লৈবাক্তস্থ কৈনু য়ুচাথ চন্থ ঙাংশাবীনা পোকপা মচানুপা ঙাংনিংশিংনা মোইরাংদা নিংথৌ ওইখি। মহাক অসি নোংদা লাইরেন পাখংবনা থোমু নাউবু ওইনা পানমিন্নবা নিংথৌনি। পুরিৎলাই ঙাংনিংশিংগী মচানুপা হানসা অমস্থং মশুশিং ফাং লিক্লাই, য়োইবা, নারোং, ময়াম্বা অমস্থং স্থমুচা নিংথৌ তরেং অসিস্থ লাইগী নিংথৌনি হায়না খঙনৈ। পুরিৎলাই স্থমুচাগী মচানুপা নিপালশুবা পুরিৎলাই ফাং ফাং পোংলেনহন্নবনা মীগী নিংথৌ অহানবা লাংবচক্কী কুমশিং ৩৬৬৫ স্থবদা নিংথৌ ওই হায়না মোইরাং কংলৈরোন (শৈশকলোন) পুয়াদা ইরি। মানা খমতোন নিংথৌ চন্থ লৈমা লৈহৌবী পামতুনা চহী ৮০ পানখি। মহাকথক্তা চিংঙু থাংজৗং লাই হয়াওবা হৌদোকখি। মহাক্না

লোকখুম্বা, লোকলেম্বা, খুঙ্গা, খোইরেন কৌবা পানা মরি থোক্লা খায়-দোকই। পানা অনি অনি পুল্লগা খুম্বক খুনথা খায়দোক্লুনা লৈবাক্কী রায়েল থোৌদাদা নিংথৌগী মতেঙ পাংনবা অপানকম মরি ফমদৌ ছুমফুমরি চাপলম্মী। লৈবাক্কী লৈত্ত লায়রা অমা অনাদা মতেঙ পাংনবা চেংকৈ তরেৎ ফৌকৈ তরেৎ পিনখি। কেগে য়ুমকোক লখা অনি লিশিং অমা চত্তরেৎ ছুমফুমাথোই স্নুনা পানখি। অমাইবা অমাইবী চামনা য়াকাশঙ, কেগে চৈরাকপুং কুচু থৌদাফম লিংখৎখি। ঙাংখ, খোয়োন, ঙাংলৌ, থাম্বী, হীগা, ওকচিল, চেংলৈ অমস্নুং ওকস্নু কৌবা লৈকায় নিপাল খায়দোক্লুনা লৈকায় খুদিংগী কৈথেল অমমম কাতন্দুনা লৈকায়/লৈকায়গী মমিং লৌরগা কৈথেলগী মমিং থোল্লম্মী।

পুরিংলাই ফাং ফাং পোংলেনহনবগী হাক্তক্কী হৌখিবা মোইরাং শাইওন মাপলগী স্নুংশি স্নুংঙোলগী থোদোক রারীশিং অমদি মহম মতমচুদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌগী মমিং অমস্নুং মথোয়না পাল্লম্বা চহী মশিং মথং মনাও নাইনা মখাদা পীজরি :-

মোইরাং নিংথৌগী মমিং	পাল্লম্বা চহী	শাইওনগী রারীগা মরী লৈনবা শাবি শাংনৌগী মমিং
১। ফাং ফাং পোংলেনহনবা	৮০	হেঙ্গুলহা - থোংনাং লাইরোলেম্বী
২। ইরাং তেলহৈবা	৫০	শাম্বা নহা লমগানবা - খমম্নুং য়াইদিংকোম্নু
৩। লাইফাচেং	৫২	বাংলেন পুংদিংহনবা - চকপা য়াইম্নু ফিশাহৈবী
৪। উরা ঙাঙোইবা (খুন্দাবা)	৫৫	ঙানবা — শংলৌলেম্বী
৫। সনা রৌথ্বা	৫১	খোয়োন হাওবা - য়াইথিংকোম্নু
৬। তুশেম্বা	৪০	অকোংজাম্বা - লৈমা ফৌওইবী (কোইদিং ম্নুরা অথোইবী)

৭।	চিংখু তেলহৈবা (চিংখুলেম্বা)	৫৫	খম্বা - থোইবী
৮।	ভাড়োই পূনশিবা (লাইজিংশু পুনশিবা)	৭২	(১) কদেং থাংজহনবা - তোনু লাইজিংলেম্বী
৯।	—do—		(২) উরা নহা খোংজোম্বা - পিদোংন্থু

শাইওনগী রারীশিং অসি মতম মতমগী ওইনা শৈশকপশিংনা মানা মানা হৈজবা প্রমান পাষ্টে কয়া হাপচিল্লুনা। ফমশক, পেনা খোংলগা শকপা শৈশক, ধুলোক য়েরগা শকপা শৈশক হায়না অহুম থোক্লা চৎনৈ। ফমশক হায়বসি শৈশকলিবা নুপা নত্রগা নুপী অত্তনা ফক্তা ফম্লগা মথুৎনা তাল থাজরগা মনাক্তা বাঁশি খোংবা অমনা ইশৈগী শুর অমদি রাগীগী মতাং চানা খোন্তুন শকই। পেনা খোংলগা শকপা শৈশক অসিনা পেনাগী মুংশিরবা মেংলবা মখোলগা জোয়নলা খোংবাংনা মতেঙ পাংদুনা শকপা শৈশকনি, পেনা শকপা হায়নৈ। ধুলোক য়েরগা শকপা শৈশক অসিদি মহারাজ চূড়াচান্দগী মতমদা নোংখোনবম চাওবনা নৌনা হৌদোকখিবনি। শৈশক অসিবু খোংজোম পর্ব্ব (মোইরাং পর্ব্ব) হায়না খঙনৈ।

পেনা হায়না খঙনরিবা মৈতৈগী অরিবা খুৎশু (যন্ত্র) অসি এলাহৌ-হৈদগী মৈতৈ খুন ইগা তংনা থানবা লৈতনা সংস্কৃতিগা শাগোন্নত্তুনা চাউরবা থৌদাং মাল্লুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। মৈতৈ ইনংকী ওইবা থৌরম থৌদা লাই হৌরোবা, লাইগী নাহৈরোল, য়াকৈবা, তেংথারোল, মিংথৈরোল, নচিংবদা পেনা শিজিন্নৈ। লাইগী থৌরমদা নত্তনা লৈবাক অসিদা নিংথৌ পাল্লিহৌদ নিংথৌগী মফমদা য়াকৈরোল শকপা, নিংথৌনা সনা খোঙলেংবা মতমদসু পেনা শিজিন্নৈ। নিংথৌনা শামু তোংদুনা চৎপদা শামুগী মনিংদা ফম্লগা পেনা খোংদুনা নিংথৌগী থৌগল তৌববু শামু মথুন পেনা খোংবা হায়দুনা মৈতৈনা পাউরৌনরিবনি। তমফা রাঙমলোন পাম্বোহৈবীগী মথৌরাংনা পেনা পুথোক্তুনা লৈমুং থারুক অশৈবদা শিন্নদুনা খোংহন্দ-খিবগী মরীবু লাইস্না কম্বালোন কৌবা পুরাদা ইনিরম্মী। রামীদি

খুন্নুংচক (মুরাপূর যুগ) তা পোইরৈ কংলৈপাক্তা লোলাং পাখংবনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদা থাবা ঙানবা কৌবা শলাইগী খুৎকন পাঙনবা মখোৌনা লৈবা থাবা মুংজেংবনা মপা মতোল মচিল মনাও শাগৈ নাতৈ ময়াম খোম্নগা লোম্না লান্দারক্লবদা লান্দা লোলাং পাখংবা মায়থিদুনা লোম্না মোইরাং তাম্না চেনখিদুনা থাংজীং লাইগী মনাক্তা লোৎতুনা লৈখি। লোলাং পাখংবনা চেনখ্রবদা খাবা মুংজেংবনা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইদুনা পানখি। মানা নিংথৌ ওইবা মতমসিদা থাবা ঙানবা শলাইগী কাংবুতবু লুনা চাম্না তৌদুনা য়োকখংপা, মাগী মচা মশু. শাগৈ-গী তৈবু মনীং মথা তম্নহনবা, অতোপ্পা শলাইগী মীওইশিংবু য়েক্লবানি খন্দুনা ওংনৈরকপা, লৈবাক ইরাং হোৌরকপা মীশি মীনা কয়া থোরকপা, লৈবাক্কী রায়েল থোৌদা ইচা মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইরকপা, লৈঙাকলোন চংনরোল কমাবু তুংওইনরগা মনীং মথা তম্বদা নত্তনা লৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংগী মরা মপাউ লৌরক্লবদা লৈবাক রায়েন্দা নিংথৌগী মতেঙ পাংনবা হাপলিবা নিংথৌ পোংবা তরা চায়বদি পুরম্ব. নোংথোনবা, খ্বাইলাকপা. য়াইস্কুল লাকপা. হিয়াংলোই হঞ্জবা, চোঙথানবা হঞ্জবা, ইমাঙলোয় হঞ্জবা. ইমিংলোয় হঞ্জবা, খমথকচা অমস্থং নাইখুলাকপা ফম্নাইবা তরা অসিনা লোম্ন বা তাম্নবগা মায়কৈ মরিদা মনাইশিং লোম্না থাদুনা লোলাং পাখংবা থিহল্লি। অরাং, নোংপোক, নোংচুপ মায়কৈ অহুমদা থিবা ফংদ্রবদা মথা মায়কৈ মোইরাং তাম্না লাক্লুনা থিবদা লোক্তাক পাৎতা ঙা ফাবশিংগী মচিন্দগী মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ অমা লোম্না চেম্লক্লুনা থাংজীং লাইগী মনাক্তা লোৎতুনা লৈহগী পাউদু তাবদা মনাইশিংনা চেল্লক্লুনা নিংথৌ পোংবা তরাদা পাউ পীররে। নিংথৌ পোংবা তরানা থাবা মুংখ্রেংবা খঙহন্দনা লোম্না থাংজীং লাইগী মনাক্তা লাক্লুনা হংবদা লৈরে খঙলবদা থাংজীংদা লোলাং পাখংববু কংলৈপাক্তা হল্লগা নিংথৌ ওইনবা হায়নদিয়ু হায়জরম্মী। থাংজীংনা চকপা লমলাং মাইবীগা তাম্নদুনা হৈরম লৈরম লাংলগা নীংথিজবা অথেনপোৎ শেম্লে। থাংজীংনা মখুৎস্থু খুং থেংলে. লাইনুরাশিংনা ফজব ফিজেৎ লৈতেংলগা

মুংশি নুংঙনবা ঙৈশৈ শক্লুনা লোলাং পাখংববু থেম্না হৌরম্লে। "হে খোয়ুম লাইয়িংথৌ, থবিসেন কোয়েম্লল অপানবা, চায়া খোক্টবুংসেন নোংশাবা, লাইরেন নঙাল অথৌবনা চৌহৈ চৌদাই নাইদনা নাউয়োক নাউকোনবিবা লাইয়িংথৌও, কংলৈপুংদা হল্লসি, কংলা কস্থাল লাংনবা শাফোংবিয়ো" হায়রক্লে। লোলাং পাখংবন্না, য়েরুবা য়াম্নই কংলৈদা নিংথৌ ওইবা ঙস্মোই হায়দুনা খোরকউ য়াস্রে। নিংথৌ পোংবা তম্রাদু নিংবা কায়দুনা হল্লক্লগা তমফা য়াঙমলোন পান্থোইবীগী মনাক্তা চংদুনা লোলাং পাখংববু থেমবিয়ু হায়জক্লয়ে। নিংথৌ পোংবা তমানা হায়জবদু য়াবিরদুনা ময়ৌশিং চাউবী মথৌয়াং হৈবী পান্থোইবীনা পোইরৈ কংলৈপুংদগী অথেলপোৎ শেম্নবা মথল মথেলগী পোৎলম পুরগা মোইরাংদা নিংথৌ পোংবা তরাগা লাকখিম্লয়ে। মোইয়াংদা কংবা হৈয়ম লৈরম কয়াস্থু থিরগা অথেনপোৎ কয়া শেম্লে। মদাইয়েম কবো মোরে উশাবা কৌরগা তাক্লুনা কোংয়াং মৃতাং থুবা তাংকক য়াগী য়াক য়াওনা ফূক্লগা য়াদা তেংথল শেমদুনা শামৈ তিংলে' য়াক্লনা পুংমাই শেমলে। কোংয়াং য়াগী য়াংশা কোন্দুনা শামৈ তিংদুনা চৈজিং শেম্লগা নোংশ্রিক্লা চৈজিংগী মতোন্দা য়ানশিল্লে। চৈজিংনা লাইয়িংথৌ শিদবগী মশক ওইয়ে। পুংমায়না লৈনরল শিদবীগী শক্লম ওইরে। মখুৎ ওইনা পায়রিবা পুংমায় অদু খুৎপায়ফম শেমদুনা থবাক মৃতা ফবদা থম্লগা মখুৎ য়েংনা পায়রিবা চৈজিং মরীগা শামৈ অনিদু তকনবদা রিঃ রিঃ রুঃ রুঃ হায়না পুকনিং মুংঙনবা অপাম মুংশি খোয়রাংবা মখোল অদু নাকোংদা তাবদা থস্মোয় পেম্না পুকনিং মুংঙননা মুংঙাই হায়বগী (যন্ত্র) অদুগী মমিং পেনা থোম্লে। পেনা অদু লৈনুং থারুক অশৈবদা শিম্রে।

তমফা য়াঙমলোন পান্থোইবীনা মথরায় য়াওনা ফজরবা অথেনপোৎ শেমলে। হৈয়াং হৈশিং মুনা হাম্না, লৈয়াং লৈচল মুবা অথেনপোৎস্থু লাংলে। মনা মশিং অথুম্ন অহাওগী অথেনপোৎস্থু মথল মথা মাইনা শেনলে। অথেনপোৎয়াম অদু উবদা মী পুম্নমক ঙক্লয়ে, য়েংবদা পুক্লিং

হুনা ফজরে। লাখা হৈথা লৈখা লাথুপ কায়দনা শেম্নগা অথেন পোৎ-য়ামছু মক্ষম চানা থায়গা লৈম্নং থারক অশৈবনা পেনা অছু মথবাক মতা ফবদা থম্লগা মথুং ওইনা পুংমায় অছু খুৎপাইকম চানা পায়রগা মথুং য়েৎনা চৈজিং পায়হুনা চেকশিম্না মখোল হুংশিনা পূকনিং নুংওলনা খোংলপা হুংশিরবা শৈহেক শৈদানা নাউথেম ঙৈশৈ শক্রকই।

হয়ি হয়া হয়ি হয়া হয়ি তয়া হয়ুম্র
হয়িচাস্নং হয়াচা হয়াচাস্নং হয়িচা
হয়ি ময়েক অহুমনে হয়া ময়েক অহুমনে
হয়ি হায় হয়ুম হায়না রাকমানা শৈহৌনা
চিংঙু নত্তিক অরবা খোয়ুম নঙল অচৌববু
শৈথাজরকে —
হয়া হে খোয়ুম লাইয়িংথৌ
কোরৌ নোংলেন তরেৎমক্তা নোংশাবা
রাঙম কংলৈপুংদা য়াহৌবা
কেংগ মোইরাংদা য়াতাবা
খিং খিং হৌগৎলো
নয়ান রাঙম পাংলসি
কংলৈ ফম্বাল লাংবিরো।

অস্নুম্না হুংশিবা খোনফমদা পেনাগী মেংলবা পুক্লিং হূনা হুংশিবা মখোলগা লোয়ননা শৈশক্রবদা লোলাং পাপংবছু মথরায় হুংঙাইরছুনা খোরক্লে। পাম্হোইবীনা শেমজবা অথেন পোৎয়াম অছু কংলগা পোইরৈ কংলৈপাক্তা হল্লসি কংলা ফম্বাল লাংবিরো থেমলক্লে। থাংজীংনস্নু রা-পাংলে, নিংথৌ পোংবা তরানা ঐখোয় পুম্নমক্না লাইয়িংথৌবু চেকশিম্না ঙাক শেনগনি হায়জবদগী লোলাং পাখংবা য়াদে। মোইরাং নিংথৌ চাউবা শৌবোন ওম্বনা নাকন্দা থাঙশাং য়ানশিল্লে, তেন্দোং নমদা পোরগা মথুংতা লিরুং পায়হুনা খাবা হুংজেংবগা হয়েল লাম্হেংনজগে হায়হুনা লোলাং পাখংবগী মাঙ থাদে। পাখংবগী মাইবা থংমাই লৈকংনা য়েৎতা

শেয়রে। থাংজীংগী মাইবা খোয়োন উরক কনবনা ওয়দা শেয়রে। লৈমুং থারুক অশৈবনা তুংদা পেনা খোংহুনা থোগল তৌরে। মায়কৈ ভাকপা লাইয়ামনে, মোইরাং লৈময়োল তরেৎনে. নিংথৌ পোংবা তন্নানে, মীয়াম্না তুংদা ইম্নহুনা পোইরৈ কংলৈপাক পাংলক্লে। অসুম্না মীয়ামগা লোয়ননা পোইরৈ কংলৈপাক পাংলকপনা য়াম্লোই কারোং য়ৌরকপদা লৈমুং থারুক অশৈবনা খোংলিবা পেনাগী তেংখল নাম্খোক্লে, তেংখল শেম্লগা অমুক খোংলে পেনাগী চৈজিং হিক্লোক্লে। চৈজিং হাপচিল্লে. অমুক খোংলে পেনাগী শামৈ তংলে, শামৈ শেমলে, অদুক খোংলে পেনা মখোল থোকত্রে। লৈমুং থারুক অশৈবনা তুংদা পেনা শেমহুনা লৈরিবৈদা লোলাং পথংবদি মনাইশিংনা থোগল তৌহুনা লেপ্তুনা লাক-পনা লমলেন শামুয়ৌ য়ৌরে। অদু ফাওবদা লৈমুং থারুক অশৈবদি য়ৌরক্তে। পেনা য়াওদ্রবদি চৎলরোই হায়হুনা শামুয়ৌদা পোখাহুনা লৈরে। পেনা শেমল্লিবৈদা শামুয়ৌ য়োই হায়বা মৈতৈ পাউয়ৌহু য়ায়ী অসিদগী নি।

লৈমুং থারুক অশৈবনা পেনা শেম্লগা লোলাং পাথংবগী থোগল তৌহুনা লাকপনা কংলৈপাক য়ৌরবদা মোইরাং নিংথৌ চাউবা শৌবে ন ওম্বগা থাবা মুংজেংবগা অকনবা লান থেংনরে। তেলদা হৈশিংজবা তেলকাপ থুবা চাউবা শৌবোল ওম্বগী তেলনা থহুনা থাবা মুংজেংবা শিরবদা মাগী মচা মণ্ড থাবা শলাইগী মীয়ামহু চৌংমুং মসুংদা চেন্দুনা লোংথি, থরনা নিংথৌদা চওজখি। লান লোইরবদা লোলাং পাথংবনা পোইরৈ কংলৈপাকী নিংথৌ খুম্ভম অমুক হনজিনখি। মতম অদুদা পুথোকখিদা পেনাহু খোংবদা খুৎলোইবা য়াৎতুনা তুংদা থরা শেমদোক শেমজিন তৌখি। য়ারুগী মহুৎতা তুম্বানা শিনবগা লোয়ননা য়াশাগী মহুৎতা কবো ক্যার য়োৎশাবনা তেৎমৌ য়োৎ কোন্দুনা চৈজিং শেমখি। চৈজিংগী মতোন্দা নোংশ্রিক য়ানবহু শেল শরিক্লা মহুৎ শিনখি। মথংদা অমুক মৈদিংগু থাগেম্বগী সনা হাক্তা তখেল খোম্বনা য়ুবীনা তুম্বাগী

মহুৎ শিনবগা লোয়ননা শেংগাউ শরিক মচানা শেল শরিকী মহুৎ শিনখি। নৌনা শেমদোক্লবা পেনাচু ঙসি কাওবা শিজিন্নরি। পেনাগী মরুদা মচাক মপাল হায়বদি মরু, তেংখল, পুংমায়, শামৈ, চুম্বুল্লি, উতোং, উয়েক, লৈনা অমস্থুং ময়েক মাপল অসিনা পুনশিল্লগা পেনাগী মরু ওই। চৈজিংদস্থু নারেং, য়োংকোল, শরিক, শরিকলাং, শামৈ, শামৈ কোঙখাং, মোন, খুহুম অমস্থুং চৈজিং শয়াং মচাক মপাল অসিনা পুল্লগা পেনাগী চৈজিং ওই। খোংম লাইয়িংথৌ শিদবা, লাইরেম্মা লৈমরেল শিদবী অনিগী শক্তম ওইরিবা পেনা অসিবু শৈশকপা ওঝাশিংনা শেংহৌরনদাইদা ওই-য়েং কায়হন্দনা লাইয়িংথৌ অমদি লৈমরেল অনিমকপু খম্মোয়দা লাকশিন্দুনা থুরুম্লগা শেংহৌনৈ। পেনাগী মরোল মখল য়ামই। লাই হরাওবদা খোংবা মরোল, মীয়ামগী হরাও কুম্মেদা খোংবা মরোল, অকল অথোগী শা-লান্দা মতিক মথৌনা থাবদা খোংবা মরোল, শৈহৌরোল, ঈকৌরোল, ঈকারোল, নোংশারোল, নোংকৌরোল, লমমিরোল, শিকাপরোল, কালেন শৈজিং, হেপাল, হেপালি, পাখোং, য়াংয়েনা ওনচিংবা পেনাগী মরোল য়াম্বগী মতিক খুংখৎ অমত্তা মাম্নদে, মরোলস্থু তোঙাল তোঙাল্লি। পেনাগী শৈহক শৈদাশিং অসি লৈমুং খারুক, টপল খরো, নোংথোনবা, লৈমুং নোংখোং, খুংখোম্বা, তাংক্রিকপা, লুম্নবনচিংবা লাইগুম্নবা শৈশকপশিংনা পুংখোকপীরম্বনি।

অসুম্না পেনানা চহীচা কয়াদগী মৈতৈগী ওইবা লাইগী খোরম কয়াদা থৌদাং চাউনা য়ারকপদা নত্তনা নিংথৌ কয়াগী হ কুক্তগী খুঙং লৈকায়শিংদা নহা অহল পাখং লৈশাবী কয়ানা পেনা শকপা ওজাশিংবু কৌরগা নিংথৌরোল, নোংপোক পাম্থোইবী, মুংবান পোম্বী লুরাউবা অমদি মোইরাং শাইওনগী মুংশি মুংওলগী য়ারী কয়া শক শোংরম্মী। মৈদিংঙু পামহৈবা হাক্তক্তা শান্তিদাস গোষাইগী থৌইনশিন্দগী মৈতৈ লৈবাক্তা রামানন্দি ধর্ম্ম শন্দোক্তুনা মৈতৈগী পুয়া কয়া খোমগৎলগা মৈ থাদোকপা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী কয়াগী কোলু কেমায় খোমগৎলগা লৈরোল চনশিনবদা নত্তনা মৈতৈগী য়ারী কয়া খুল্লক্তা শক শোনবা থিংখি।

মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র হাক্তকুগী ঔরানা মৈত্রবাক্তা তোয়না তোয়না লান্দা-রক্নুনা লানজেম্নবদা লৈবাক কাংখোং চাইবা অমদি চহী তরেৎ খুম্তাক লুবদগী মৈতৈগী রারী শকপা শোনবা থরা লেপখি। গম্ভীরসিংহনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা শা লানগী অকিবা লৈত্রবা, লৈবাক ময়া তপনা পাল্লক্রবদা মতমতুগী পেনা শকপা ওজা চবুংবনা থম্বা-থোইবীগী রারীবু নোংহৌননা অমুক মৈত্রবাক্তা শকপিখি। মতমতুদা চবুংবনা শকলম্বা থম্বা-থোইবীগী রারীদু হৌজিক শকনরিবা অম্মুম্না মরিক চুম্না প্রমান পাম্বে য়াওনা মপুং ফানা শক্লমদে। মজাইবুংঙো চন্দ্রকীর্ত্তিনা নিংথৌ ওইবা মতমদা ওজা চবুংবগী সেবক চনম্বা পেনা শকপা মাগী অশেংবা মমিংনা চনমচা বাপু হপ্তবা চিংভা মথা চনম পুখ্রি মপান্দা পোকপা মমিং চংপা পেনা শকপনি। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিনা কছারদা জিলা দরবার চংপদা মণিপুরদগী খোঙনা তোংজৈ মরিলদা মৈতৈগী অকল অথৌ খাঙমী লানমী মনাই মশল ময়ামগা লোয়ননা মোইরাংশা শামুয়াইশাগী মথক্তা তোংলগা চংপদা চনম্বা পেনা শকপনা শামুগী মনিংদা তোংলগা ঈশৈ শক্নুনা নিংথৌগী থৌগল তৌই। চনম্বা পেনা শকপনা পেনাগী মুংশিরবা মথোলগা লোয়ননা মৈতৈগী নিংথৌরোলগী রারী শকপদা লমশাং চংপদা চোকথরবা মীয়ামতু অরা পোত্থাহনখি। অম্মুম্না অয়ুক মুংথিল খাক্তুনা লেপ্তুনা চংলকপা খোঙচং অতুদা মানা শকপা নিংথৌশিংগী রারীনদি লোইশিন্নক, চংকদবা শাংলবা লম্বীনদি তংথায় কাওবদং চনবতুদা মথা করি ঈশৈ শকদগে খনবদা চনম্বা রাখল মুংবানখি। চনম্বনা রারিবতু চিংডু থাংজীংনা উবিরতুনা রাখল লংজিন পীবিরবোই থম্ব-থোইবীগী মুংশি শাইওন রারীবু খুদক্তা নিংশিংলক্তুনা থৌগল তৌখি। মুংশিরবা পেনাগী মথোলগা লোয়ননা শকলকগা শৈশক শৈদা প্রমাণ পাম্বেগা কোম্না লীরকপা মরিল চুম্বা কজরবা রারীতু তাবদা মপুক্লিং লুপনগ্রবে ই লমশাং চংপগী চোকথরম্বা মীয়ামদো খুদক্তা অরা অনা কাউনখি। শামুগী শয়াং থক্তা তোংলিবা মহারাজ মশামকম্মু মুংঙাইরবা রারীতু তাবদা মাগীদমক্তা মতম পুম্নমক্তা রাজরবী মমা শিজা কুমুদ্দি মহারাণী

অমদি মুংশিনবা প্রজা মীয়াম কায়নবগী অরাবা মৈচাকনে, পিরা পলেম্
পম্থো শেংনরবী লমজা খম্ব খময়ু মচিল ম্যোপরানা ময়া মপা কায়নবগী
অরাবা রারীগী মতাংনপা নুংশিবনে মহারাজগী সনা পুক্লিং নুংঙনখি।
শ্রীগোবিন্দজিগী থৌজালদগী মণিপুর সনা লৈবাক্কা মার পাক্লনা হল্লকপা
থোক্লবদি খম্ব থোইবীগী রারীসি মকোক্তগী লোইবা ফাওবা তাগে হায়না
সনা পুক্লিংদা লেপখি।

জিলা দরবার লোইরভুনা মহারাজনা নায় পাক্লা হল্লরগ মনিপুরদা
চনমচা বাপুচঞ্জবা, পাওম্বা অমদ রাংগুগী লোইচেংবম ডাংবা পেনা
শকপা ওজা অহুম অসিনা খম্ব-থোইবীগী রারীবু নোংমা নোংমগী পালি
ন্যাইনভুনা মহারাজগী থৌলগ তৌখি। মতম অদুদদি পেনাদি নুংথিলদদা
শক্লরম্মী। অয়ুক্কী চাকলেন চারগা ওল্লপা নুংথিলদগী হৌরগা নুমিদাং-
রাইরম নুমিৎনা ময়ুম হেক চওখিবগা লোইশিম্মৈ। অদুম্মা নুংথিলদা
সনা থৌগল তৌরকপদা রারীনদি মরীক চুম্না শাংবা লোইশিনবা রাদবা
মতাং থোক, নুমিৎনদি তাশিল্লক্লুনা নুমিদাংরাইরম ওইশিল্লক্লবদা তারিবা
মীনসু লোইহনদিংদবা মতাং ওইবনে শক্লিব ওজা অহুনসু লোইশিনবা
য়াদবা রারী মতাং ওইদুনা মথরায় য়াওনা অরবা খওদনা হুমাং তাব-
মথৈ শকপা অহুবু হৌজিক ফাওবা পাউচৌ ওইনা হায়ংরি, "পেনা
শকপগী নুমিদাংরাইরম।" অম্মুম্না থা অম চুপ্পা শকপা য়ানবা ওজা
অহুম্না নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক চাকমাংদা তাম্নরগা মগী মাগী পালি তাবা
নুমিৎতা মথরায় য়াওনা রাহৈ রাতা কজবা প্রমাণ পাংথে পাউরৌ কয়া
মতাং চানা হাপচিন্দুনা খম্ব থোইবীগী রারীবু মরীক চুম্না শাংদোকহনখি।
থোইবীনা কবোদা লোই কুম্বদগী লোই কানা কাওবদা লম্মিং তুম্মিংকা
কোম্নবা রারী কয়া হাপচিনবদা নত্তনা খম্বনা মুবাই কৈয়োইজাম্বগা
লোয়ননা কবোদা লোম্না কোয়হন্দুনা ফজহনবা রাংগু ডাংবনি। খম্ববু
শামু খোংদা য়েংপগী কংলা রাকৎপদা ওওনরিবা চউবগী হৈশিংবা
রাহৈ রাত কয়াবু মতাং চানা ফেন্তিন্দুনা ফজহনখিবা চনম্বা পেনা

শকপনি হায়না লৈখিত্রবা চুংখাম মনিক পেনা শকপা ওজানা তাক-পিরম্মী। চুংখাম মনিকপু পোকপা চংখাম তোন্দ্রা হায়বন্থ কুলচন্দ্র মহারাজগী মতমদা ফাওরম্বা পেনা শকপনি, চনম্বগী সেবকনি। মহাক্না শকপা ঈশৈগী মতাং চাবদা শা উচেকী মখোল মাম্না খোঙবদা য়াম্না হৈ। মানা হোদোং খোংবগী মতো ভম্বত্থু মানমনগ্রম্বনা হোদোংশম্মী হায়থুনা মাবু 'চংখা হোদোং' হায়না নিংথৌনা থোনবিবদগী মমৈদা অশেংবা মমিং ভোকুনা 'চংখা হোদোং' হায়না মগ্রিং চৎখি। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদা মমিং চৎপা পেনা শকপা ওজ অহুম অসিগী সেবক-শিংনা অমুক নোংহৌনা মৈত্রবাক শিনবা থুংনা মোইরাং শাইওনগী রারৌবু শকপিখিবদগী ভসি ফাওবা মীপুম খুদিংনা কাউনত্রি।

হৌজিক শকনরিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি মৈত্রবাক্না ধোবী লৈনৌনা হৌদোকপীরম্বনি। মহারাজ কুলচন্দ্রগী মতমদা খোং-জোমদা পাউনা ব্রজবাসীনা লুচিংলগা বৃটিশ লানমীগা অকনবা নিং-ভম লান্দা ধোবী লৈনৌদি মৈতৈ লানমী মরক্তা লানগী কীরাল পায়-রম্মী। মহাক্না লানফমদা মমিংনা উহৌবা মনানা তাহৌবা লানগী থৌদোকশিং অহু মুমিদাং থাবলদা মচা পোরগা নাউশুম ঈশৈ ওইনা শকই। মহাকী মুংশিরবা শৈংহক শৈদাগা কোম্নবা রারৌথু বামোন লৈকায়দা লৈবা হপ্পবম নিংখো শর্ম্মদা ভম্বি। হপ্পবন্ নিংথৌনা ধুলোক য়ৈথুনা খোংজোম লানগী রারৌবু শক শোনবদগী খোংজোম পর্ব্ব হায়না খঙনখি। এজ্জা নিংথৌসি হুই খোংবমু য়াম্না হৈ। মহাক্না শকপা ঈশৈ শৈশকী মরক থংনা হুই খোংহুনা শকপথু তাবদা মীয়াম্না পেম্নবদগী মমৈথংদা বামোন হুই হায়না মমিং চৎখি। বামোন হুইনা ফমহুনা ঈশৈ শক্লবদগী মতাং চাবদা হৌগৎথুনা ধুলোক চোলোমমু তৌই। বামোন হুইগী মতুংদা খোংজোম পর্ব্ব শকপা ওজাশিংদি — খুম্নেম চাউবা (রাংখৈ), উখুল চাউবা (উরিপোক), ভখেল্লম থম্বালঙৌ (হঙোই চড়া), লৈমপোকপম হেরাচন্দ্র (কাকৈখেল) অমসুং অঙোম মনি (ভাম্নপীথোং) নচিংবা ওজাশিং অসিনা চয়াইরোংবা। খোংজোম লান,

জিলা দয়বারনচিংবা মৈতৈ নিংথৌরোলগী রাগী কয়াবু ধুলোক য়েদুনা শকপিখি। ওজাশিং অসিগী মথা তাথরকপদা অরিবম তোম্বীসনা শর্মা (বামোন লৈকায়), তখেল্লম্বম তোম্বী (খুরাই) অযোম খোংনাং (রাংড়ু) নিংথৌজম অঙাংয়াইমা (ময়াং ইম্ফাল) ওজাশিং অসিনা নিংথৌরোলগা লোয়নননা মাইন্নু পেমচা, য়াইস্নিপোক থম্বালনু, সতী খোংনাং, ওসমান খম্বালনচিংবা মৈতৈ চন্নুমশিংগী রারীগা কোম্বদা হৈরোল লৈরোল কয়া য়াওনা মহারাজ বোধচন্দ্রগী মতমদা শকপিরম্মী। ওজাশিং অসিগী মথা তাবদা খুন্দাকবম তোমচা (ভাস্নপীখোং) তোনা (মোইরাং) লোক্রাকপম বোলাই (পন্নাম লৈরক) সোরোখাইবম ভগীরথ (থাংমৈবন্দ) মাইস্নাম ইবোবী (চিংঙামথা) খুমম্বম নিঙোল ইবেমনী দেবী (ক্বাকৈথেল) নচিংবনা মখা তানা শকপিখি।

ধুলোক য়েত্থনা শক্লা শেমরিবা খম্বা থোইবীনচিংবা শাইওনগী রারী অসি খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা খুলং ঈশৈ (হাইশক) নচিংবা হাপচিন্দুনা শকপা হৌদোকখিবসি মহারাজ চুড়াচান্দগী হাক্তক্তনি। মতম অত্থদা নোংথোনবম চাউবা ময়াম্ম কুলিজাও হায়না খঙনবা হিয়াংথাংদা পোকপা ওজা অসিনা ধুলোক য়েত্থনা হাওবা-কোম্মু অমদি খম্বা-থোইবীগী রারীবু মৈত্রবাক্তা শৈশকখি। মহাক অহানবদা মোংশাঙ্গদা লৈবা সনশম শেঙ্গাই কৌবা পেনা শকপা ওজা অত্থগী পেনা খোংবালম্মী। মতম থরা পেনা খোংবাংলিঙৈদা হাওবা-কোম্মু অমদি খম্বা-থোইবীগী রারী তমত্থনা মহিক চুম্না খঙলবা মতুংদা পেনা খোংবাংবা তোক্তুনা ময়ুমদা লৈখি। মহাক অসি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা ধুলোক য়েবদা য়াম্না হৈ-শিংই, অত্থনা পেনা খোংবাংবদা মপুক্রীং চঙদবত্থ উবদা মপা মতোল-শিংনা ঙাওবদা মথরায় মুংঙাইতত্থনা কনাদত্থ তাকলমদনা লোম্না কছারদা ফী ললোনবা মৈতৈশিংগা লোয়নননা তোংঙ্গৈ মরিলদা চঙখিত্থনা কছারগী মৈতৈ খুল্লক্তা লৈখি। মফম অত্থদা ধুলোক য়েবা ওজা অমা ওইনা হোলিগী ধুলোক য়েবদা নত্তনা লাই হরাওবগী জগোয় শাবদম্মু য়েরম্মী। মান্না পেন্না খোংবাংবদা ফাখিবা হাওবা-কোম্মু, খম্বা-থোইবীগী রারীগু

শৈশহেক শৈশদা শেমদোক্লগা ধ্রুলোক য়েৎহুনা থাবল চোংবগী চৈশে হনবদা কছারনা মখিং চংপা ওজা অমা-ওইখি। মমৈথংদা ধ্রুলোক য়েরগা হাওবা-কোম্নু, খম্বা-থোইবীগী রারীবু ফমহুনা শক শোননবদা মোইরাং পর্ব্ব শকপা ওজা চাউবা হায়না কছারদা মখিং চংজুং .শল তাল্লগা মণিপুরদা থোরক্তুন ধ্রুলোক য়েরগা মোইরাং পর্ব্ব শকপা হৌদোকখি। ধ্রুলোক্কী পুংলোনগা চানবা মাগী অনৌবা শৈশহেক শৈশদা অতু তাবদা তাবোক্কী থম্মোয় শুমহৎপা পাউচু তাবদা নোংমা চুড়াচান্দ মহারাজনা সনা কোন্নুংদা কৌথংলগা থৌগল তৌহল্লি। ওজা চাউবনা মংকোক হাইহুনা মশা নোমহুনা য়েরকপা ধ্রুলোক উবদা নোকনিংবা, শকলকপা শৈশহেক শৈশদা তারগা ফুংশিবা তৌথোরকপদা পকচবা মতৌহুদা নিংথৌনা পেনবিরহুনা মীনগা পিকপনে, কুচুনগা মুবনে, ফুরিংকী মথক্তা লিংলিবা রাসকাংকী মচুনে. কুলিদা কুলি মাল্লিদা হায়না চাউববু কুলিজাউ হায়না মমিং থোনবিখিবা মুমিংতুদগী কুলিজাউ খোংজোম পর্ব্ব (মোইরাং পর্ব্ব) শকপা হায়না মৈত্রবাক শিনবা থুংনা মমিং চংখি। ওজা অসিগী সেবক হৈস্নাম ইবোতোন (কোন্না থাঙ্গ মাঙ্গে লজাও কৌখিবা) নিংথৌজম থম্বোংচা, সোরোখাইবম মধু, লাইশ্রম মৈনো, লাইশ্রম কালা, খরিবম মাঙ্গোলজাওনা ওজা কুলিজাউনা শরুম্বা শৈশহেক শৈশদা শৈশক কাম্মদনা খোয়োন হাওবা য়াইথিংবোম্নু অমস্তুং খম্বা-থোইবীগী রারীবু শক শোনবিখি।

খম্বা-থোইবী অনিগী রারীসি করম্বা মতমদা থোকখিবনে হায়বসি তংতনা হংনবা রাফমসিগী মতাংদা শেংদোকচরি। পোতরৈ কংলাদা পানবা মৈদিংঙু খুমোম্বনা খৃষ্টাব্দ ১২৬৩ দগী ১২৭৮ ফাওবা পানবা মতমদা লললোম্নবা খুমন মোইরাং ঔরা নিংথৌ অহুমগা ডাই শেল ওইরবদি লৈবাক মরা তপনা পানগনি খল্লহুনা মচাম্নুপী অহল রাঙমলোন হাউথা লাম্বীবু মোইরাং নিংথৌ শোংলেন লাম্বা (অতেরক্কী লোইচা ভম্বা) দা, মচান্নুপী য়ায়মা রাঙমলোন পামব ফাবীবুনা খুমন নিংথৌ অদোল পুনশিবদা, মচান্নুপী অতোম্বী রাঙমলোন চাথা খোংজোম্বীবু

ঐর নিংথৌদ থাজরম্মী। পুরিংলাই শোংলেন লাম্বনা মোইরাং লৈমা মৈতৈ নিংথৌ চম্মু রাংমাংলন চাওথ লম্বুবী পাম্মহনা চিংখু তেলহৈবা (চিংখু হেনবা), চিংখু অখুন অমম্ম থম্ম অতোম্বা কৌবা মচাম্মপ অহুম পোকই। থনং অতোম্বদি নহা ওইনা নোঙাখি। শোংলেন লাম্বুবনা চহী ২৯ নিংথৌ ওইহনা পাম্মগা নোঙাঙবদা মচাম্মপা অহল চিংখু তেলহৈবনা নিংথৌ ওই, মচানুপা চিংখু অখুবা (চিংখু নহা তেলহৈবা) না রাজোন নিংথৌ ওই। মতমসিদা মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু থংবী লাম্বনা খৃঃ ১৩০২ দগী ১৩২৪ ফাপবা নিংথৌ ওইরম্মী। মোইরাং নিংথৌ চীংখু তেলহৈবগী মখক মতৌ কজবী তালোই অতোনবী য়োইরেন তো-মপোকপীবু মচানুপীনি থম্নুনা মনাইশিংনা লাম্না তম্বা পাউহু থাজহনা মৈদিংঙু থংবী লাম্বনা মনাই থাহনা মোইরাং নিংথৌদা মচানুপী থাজনবা হায়রম্মী। মোইরাং নিংথৌনা ঐদি ইচানুপী পোক্তে, ওংঙোই পুনসিবা অমম্মং সন্ধবা কৌবা ইচানুপা অনিথক্তা পোকই। ইনাওম্মপা চীংখু অখুবনা পোকপী মমোম থাদোই থোইবীম্ম হৈজিং থরাই পুহনা থাজগ্রে হায়রবদা মৈদিংঙু থংবী লাম্বনা ইকায়হনা মোইরাংদা লান্দানবা য়াথং পীরম্মী। চফিংদা হি তোংহনা শোক্লবা লান্দদি হৈশিংবা মোইরাংবু লাকচবা ওংম্মইদবহু থম্নুনা লোক্তাক খোংবান্দ ওা ফারম্বা মীওই থরা লানফা ওইনা ফারকই (চৈথারোল কুম্বাবা)। থোংজোরোল পুয়াদম্ম মৈ-দিংঙু থংবী লাম্বগী হাকক্তা থোইরেম্বাক্তা থোইবী মগুংলাংগীদমক্তা নোংয়াই খম্বন পামব ফাইয়ে। মহুদা হরাওহনা থোংলেম্মা শগাইদগী কুমথরক্লগা ঐগ্রি শকুনা জগোয় শায়য়ে। পুম্মা অনি অসিগী মতুংইম্মা খম্বা-থোইবীগী মুংশি মুংওন রারীসি খুঙ্গ কুমজা তরামরি চঙলকপদা থোকখিবনি লেপ্পা য়ারে।

খম্বা-থোইবীগী রারীদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা থোইবীগী লোয়নবী মনাই সেম্মবু পোকপা মনা মপাগী মম্মিং করি কৌবগে হায়বসে হৌজিক তৎতনা হংনরিবা রাহংনি, য়েৎনরিবা রাক্মনি। মহারাজ চূড়াচান্দগী

হাক্তক্তা মোইরাংগী ফম্নাইবা কিয়াম খত্রাকপদা নিংথৌনা হংবদা হায়-
রম্নবদি সেম্নু অসি চীংখু নহা তেলহৈবগী মমোমনি. য়োকচবী (মীনাই-
নুবী) দা লানন্দুনা পোকপনি। সেম্নুনা থোইবীদগী মুমিৎ থরনি হল্লি।
থোইবী পোকপদা কপমন্দুনা থেম্বা য়ারক্লুবা মমানা খোম্লাং ইনবম্নু থকউ
য়ারক্লুবদা সেম্নুগী মমিং পল্লগা কম্না তোকই। মমৈথংদা থোইবীগী
ম্নাক্তা সেম্নু হিপাহনবদা কপ্লমবী থোইবীছু কম্ন তোক্লুনা নোকই। মুমিৎ
অত্থদগী হৌনা থোইবী সেম্নু অনিসি তমপাকয়ুমদা পুম্না য়োকমিংপি।
মখোয় অনিসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মুংশিনা চানম্ন লৈম্নিম্নরকই।
রাকম অসি মহারাজ বোধচন্দ্রগী হাক্তক্তম্নু অমুক নৌহোননা হৌদো-
ক্লরকখি। মহারাজ বোধচন্দ্রনা শীন্দুনা মবুধৌ মহারাজ ভৈগ্যচন্দ্র অমদি
গম্ভীরসিংহ অনিনা কোম্নুং ওইহুনা পাল্লম্বা লাংথবানগী রাস মণ্ডপদা
মতমমতুগী মমিং চৎপা পুয়ৈবা মখৈনা ঈশৈ হনবা, তুহার খোংবাংবন-
চিংবা পান্না ওইরগা, মখোল ফবা, ঈশৈ শকপদা মমিং চৎপা ওজাশিংবু
পুং য়ৈহন্দ্রনা মুমিৎ খুদিংগী মুংথিলদা বাশোক (ঈশৈ) ফাংনহল্লি।
মুমিদাংদনা ধুলোক য়ৈদুনা মৈতৈ নিংথৌরোল (খোংজোম পর্ব) শকপা
ওজাশিংবু মানা মানা হৈনবা মতাংদা শক্লুনা অথোই অহেন তাম্নহল্লি।
পেনা খোংলগা মোইরাং পর্ব শকপা ওজাশিংম্নু মানা মান হৈনবা মতাং
শক্লুনা অথোই অহেন তাম্নহল্লি, মহারাজনা মনা মথুম পীবি। অম্নুম্না
চয়োন অনা চুপ্না ঈশৈ নোংমাই ফাংনবগী থৌরম অসিদা মোইরাংগী
থাংজীং লাইপানবা হেমাম শাজো খত্রাকপম্নু নিংথৌগী থৌগল তৌই।
নোংমা মহারাজ বোধচন্দ্রনা হেমাম শাজো খত্রাকপা অমদি নিংথৌ-
রোল শকপা মমিং চৎপা রাংভুগী অঙোম খোংনাং মখোয় অনিদা সেম্নুবু
পোকপা মমা মপাগী মমিং হংবদা হেমাম শাজোনা সেম্নু অসি রাজোন
নিংথৌ চীংখু নহা তেলহৈবনা তমুপাকয়ুমগী য়োকচবী (মীনাইনুবী)
থোইদিংজম চম্নু থোইয়াদা লাননহুনা পোকপা মচাম্নুপীনি হঙ্গংথি হায়না
রাংভু ওজা খোংনাংনা তাকপীরম্মী।

পূম্নিংলাই চীংখু তেলহৈবা (চীংখুলেম্বা) গী হাক্তক্তা লৈকায় নিপালনা

সুপচিন্নগা খুম্বক খুনথা কোবা পানা অনিথক্তা লৈরম্মী। মোইরাং তুরেলগী নোংপোক থংবদা লৈবা লৈবায়শিংবু খুনথা পানা কৌই, নিংথৌগী পানানি। খুনথাদা মোইরাং নিংথৌ, অঙোম খগ্রাকপা, নোংবান, চাউবা, নোংথোন, থোংলেনচিংবা ফম্নাইবশিং লৈরম্মী। মোইরাং তুরেলগী নোংচুপ থংবদা লৈবা লৈকায়শিংবুন খুম্বক পানা কৌই। খুম্বক পানাদা য়াঙ্গোল নিংথৌ, খম্ব-নচিংবা ফম্নাইবশিং লৈরম্মী। নিংথৌগী রায়েল থৌদাদা মাতেঙ পাংবা অপানকম মরি — থংগ্রাকপা, পুখ্রম্ব, নোংথোনবা, লালোইহল্লবা মরি অসিদি নিংথৌগা নক্কনা ফিরাংজি ফিবুম নথক্তা মোন্দুম মোস্তেক য়াওনা লুপাগী কাংলোক মমাঙদা থয়গা ফম্মী। অপানকম মরিগী মথংদা ফিরাংজি তাখাই থারগা ফম্বা কমদো হুমকুম রিদি শেলুংবা নিপাল, লৈকায়লাকপা নিপাল, কৈথেললাকপা নাপল, পাথংলাকপা নিপাল, নিঙোললাকপা নিপাল, পিবা নিপাল লৈরোইহল্লবা অনি, শাক্লংহনবা অমা, ঙারুংহনবা অমা, তানয়েহল্লবা অমা, কৈস্নুমহল্লবা অমা, শঙলেনলাকপা অনি, নাইচৌ শঙলাকপা অমা, [illegible]হল্লবা অমা, মাইবারেল অমা, অমাইহল্লবা অনি, শামুহল্লবা অমা, শাগোলহল্লবা অমা অসিনি।

মতমনুদা কৌনতুদা কারম্বা কৈথেল	হৌজিক মফমতু কৌনরিবা লৈকায়
১। খোরি কৈথেল	লাইশাংখোম লৈকায়
২। চাংখা কৈথেল	কোনজেং লৈকায়
৩। নোংখ্রাং[illegible]কপী কৈথেল	খম্ব পোকপী মমাঙ লমথাং
৪। অউ[illegible] কৈথেল	হৌজিক কৌনরিবা কৈথেল
৫ ওয়[illegible]চিন্তু কৈথেল	[illegible]ম লৈকায়
৬। তি[illegible]া কৈথেল	[illegible]মাইরেনবম লৈকায়
৭। চেং[illegible]ল কৈথেল	[illegible]বোন থানা লৈকায়
৮। য়াও[illegible] কৈথেল	[illegible]বান মনিং লৈকায়
৯। ঙাংলৌ কৈথেল	পুখ্রম লৈকায়

মতমহুদা কৌনরম্বা লমগী মমিংগা হৌজিক কৌনরিব, লমগী মমিংগা পুমখেন্ খেনরে, খুদম ওইনা —

	মতমহুদা কৌনরম্বা	হৌজিক কৌনরিবা
থাংজীং, কোয়রেল লৈমা	থাংজীং লাইকোল	থাংজীং লাইকোল
অয়াং লৈমা পান্থোইবী	খোইয়াংফম	খোইয়াংবম লৈকায়
মহু থোংনাং লৈমা	,,	মোইরাংখেম্ লৈকায়
নিংথৌগী লৈকম, রায়েলশঙ	কংলা	কুমাম লৈকায়
রাঙ্গে'ন নিংথৌনা লৈবা	লৈতম্রপাং	পাংলৌ লৈকায়
খম্বনা লৈবা	চেংগৈ, ওয়াংলৌ	চেংগৈ, পুখ্রম্বম লৈকায়
চাউবা নোংবান্না লৈবা	চেংলৈ লৈকায়	শ্রীবোন থানা লৈকায়
থোংলেননা লৈবা	য়াওস্থ লৈকায়	মোইরাংলৌ লৈকায়
কাংজৈবুং	মগান কাংজৈবুং	কাংজৈবুং লৈকায়

খুমন নিংথৌ য়োইথোংঙাইগী মচানুপা অহল হাওবম্ নুংঙাই অমনবু মনাও অতোনবা হাওরমতে'ন লৌথিবন' মঙক কক্লুনা হাংখিব থাঙ অচু হাওরম নুংঙাই য়াম্বনা পান্নরগ মোইরাংদ শাইদাংব' লাকপদা পুবরুই। থাঙ অচু হৌজিক মোইরাংগী ফাইরেম্বম লৈকায় খুমন শলাই শিবগী য়ুমদা শঙলেন শ'রগা লাংতুন' থমলি।

মৈতৈ নিংথৌশিংগী মতমদা খম্বা-থোইবী অমদি শাইওনগী রারীবু শকখিবা মমিং চংপা ওজাশিং —

মহারাজ সুরচন্দ্র/কুলচন্দ্র মতমগী পেনা শকপা ওজাশিং —
১। চুংখাম তোম্বা (খুরাই) ২। হাওমোম হাওবা (লম্মাংদোং) ৩। খোম্রাম তোনখোম্বা (হাওবম মরক) ৪। শলাম চাউবা (হাওবম মরক) ৫। উরিকখিনবা (য়ুম্নাম লৈকায়) অসিনচিংবা।
মহারাজ চুড়াচান্দ মতমগী ফমশক ওজাশিং — (ক) ১। কাইরেনবম কোবা (মোইরাং) ২। ফানজোবী দেবী (রাংভু) ৩। হৈক্রুজম পামজৌ (লম্মাংদোং) ৪। মাইরেম্বম ছত্র (মোইরাং) ৫। অযোম

শাজো (রাংভু) ৬। লৈশং থজপা (শঙ্গোমশঙ) ৭। সনশম লৈবাকলৈপা অসিনচিংবা।

(খ) পেন্না শকপা ওজাশিং — ১। চুংথাম মনিক (খুরাই) ২। হৈক্রুজম তোনা, উচিরা ৩। ক্যাংউবম ইবোতোম, থৌবাল শাবনতোংবা ৪। সনসম শেঙ্গোই, মোংশাংগৈ ৫। হাওমোম অমু, লম্ফাংদোং ৬। থোকচোম তোলমু, খুরাই ৭। খোইরোম চাউবা, য়াইস্কিপোক ৮। মোইরাংথেম অমুস্না, য়াইস্কিপোক ৯। কোঞ্জেংবম তমফাজাও, তোপ ১০। শগোলশেম অঙৌ, মুতুম ফিবৌ ১১। সনবাম অমুজাউ, তোপচিংথা ১২। খুরাইজম গুলাপ, মন্নাইকোইবী ১৩। শিনাম সনাজাউবা, ককচিং খুনৌ ১৪। থরোজাউ, থৌবাল ১৫। সোরোখাইবম মুহোন, ফোইজিং ১৬। তোকপম বাপু, ১৭। তোংব্রম থাদোই ১৮। ভাঙোম রাঙ্গোল অসিনচিংবনি।

(গ) ধুলোক য়েরগা শৈশকপা (খোংজোম পর্ব্ব/মোইরাং পর্ব্ব) ওজাশিং :— ১। নোংথোম্বম চাউবা (কুলিজাউ), হিয়াংথাং ২। অমোম খোংনাং, রাংভু ৩। হৈস্নাম মাঙ্গোলজাউ, থাঙ্গ ৪। উখুল চাউবা, উরিপোক ৫। নিংথোজম থম্বোমচা ৬। সোমোখাইবম মধু ৭। লাইশ্রম মৈনো ৮। লাইশ্রম কালা ৯। খরিবম মাঙ্গোলজাউ অসিনচিংবা।

—মহারাজ বোধচন্দ্র মতমগী পেন্না শকপা ওজাশিংদি :— ১। নিংভোম্বম মেরা, মুংগোই ২। হৈস্নাম ইবোমচা, উয়ান ৩। চিংথাম অহোংজাউ, শগোলবন্দ ৪। য়ুম্নাম কহ্নাই, থৌবাল ৫। ফাইরেনবম ইবোতোন (নমথান), মোইরাং ৬। ফিরেম্ নিপামচা, মোইরাং ৭। এলাংবম মেরা (থাংমেরা), রাংজিং ৮। থোঙাম নিংথৌ, থৌবাল খেকমন ৯। তোংব্রম থাদোই, থিয়াম ১০। থোকচোম তোলমু, উচিরা ১১। রাজেশ্বম ফৈরাবা, লৈমাপোকপম ১২। মাইবম তোম্বী, কোংপাল ১৩। থোকচোম থম্বৌ, নিংথোবুং ১৪। পেচি তোম্বা, অচানফিগৈ

১৫। শলান অঙৌ, মোইরাং কমপু ১৬। তোলহল, লম্লাই ১৭। সোয়েরোখাইবম মুহোল, কোইজিং ১৮। তোকপম বাপু ১৯। হুই-নিম্নুম্বম তোলেনজাউ ২০। ভাঙোম রাঙ্গোল ২১। ওক্রম থোইবা ২২। পেবম থম্বৌ ২৩। থৌনাউজম হেরা অসিনচিংবা।

মহারাজ বোধচন্দ্রনা লৈখিদ্রবা মতু দা পেনা শকপা ওজাশিং :— ১। নিংঙোম্বম হেরা, মুংগোই ২। ভাংসেম্বম ইবোতোম্বী, য়াইরি-পোক ৩। লৈমপোকপম য়াইমা, কাকচিংথেল ৪। শিনাম শেম্বুংবা, থৌবাল ৫। হেমাম অচৌ, মোইরাং ৬। অসেম ইবোমচা, চিংঙা মখা ৭। যুম্নাম খোমদোন, মোইরাং কমপু ৮। গঙ্গা, কেক্রু ৯। নিংথেমজাউ, পোংশংবম ১০। থম্বালঙৌ, লম্লেং ১১। লাইশ্রম লৈবাকমচা, শনাজেনবম ১২। শিনাম অচৌবা, ককচিং খুনৌ অসিনচিংবা

মহারাজ বোধচন্দ্রনা লৈরিঙৈ অমদি লৈখিদ্রবা মতুংগী খোংজোম পর্ব/মোইরাং পর্ব শকপশিংদি :- ১। হৈস্নাম মাঙ্গোলজাউ, থাঙ্গ ২। লাইশ্রম লোলিংতো, ককরা ৩। মাইবম তোম্বা, ময়েংলমজাউ ৪। খুমাইজম সুন্দরী দেবী, থঙ্গাপাৎ মপাল ৫। থাংজম মুংশিতোম্বী, শগোলবন্দ ৬। চোংথাম শ্যামকিশোর, তেম্বা ৭। চবুংবম ভানবী, য়াইরিপোক বিষ্ণু ৮। তাওবম মনি, চনম শন্দ্রোক অসিনচিংবনি।

— — — —

শৈশহৌ

অরাং কৌক্রু চীংদোমপোক কাওরেল মরুম শাবচীং লৈচিল পোমায় ভুরিবা নোংলেন নোংহৌনরিবা লোইবী চীংমায় নাপোমদা পামেল তোমখিন হৌরিবা লৈচেংনা ঙাওনা ভারিবা লোইবী চীংখোং তময়াদা হানৌনা শংনা কাৱিবা হুপনৌনা নাপু ফারিবা, ইঙেল লোকী লোকচিন্দা পুন্নেনা পোপতেক লোলিবা লোকলৈনা শমজি শারিবা য়াই-পলনা ঙাওনা শাংলিবা লোকমায় খুদেং শাবা লমদমদা মপাজল মথৌনা লৈরবা শওং-শাদা ফজরবা পোংমহনবা কদনবা কৌবা রাইনু লাবা অমা শামান লেংমামবা মরুপ মপিজা অমত্তা তিন্নদনা চেক্লা নাইতোম চাক্তুরি। শওং-শাদাদা রাংতবী কুচু কুমেন চঙখোনবী মশক মতৌ ফজবী রাইনু অমোম অনগা য়ুম্বামগে খন্নুনা পোইরৈ সনা মৈত্রবাক কোয়না থুংনা চংতুনা লোয়া তময়া খাক্তনা পাং কোম চিংথদনা থিবদা পায়না খোয়জংবা তিপ্লাং খোয়দাবা ফংদতুনা নীংবা কায়না ময়ুম পান্দনা চহী কুমজা কয়া রানা পুন্সি লেল্লরবা মহাকনি। পাখং শরি কায়বা রাইনু লাবা কদনবতু পোইরৈ মৈত্রবাক থাদোক্তুনা শেম্বি কাবো মীরৈবাক্তা চংতুনা পায়মা খোয়দাবী রাইনু অমোম থিরুগে খল্লহনা নোংমা অয়ুকী. য়েন্দা অঙনবা শজিক মশোং কাংলকপা কাইরৈ য়েনবোনজুংদগী মরিংগী য়েনবা থিকচোম্বনা ক্রে ক্রে কে য়াকৈরকপা মতমদা শেম্বি কবো পাংনা পাইখি।

শেম্বি কবো লৈবাক্তসু নাইতোন শাংনী লৈরাংগুম হৈজিং কাবনী হৈরাংগুম শওং-শাদা রাংতবী কুচু কুমেন লময়োবী মিংয়েং নায়েং হৈখিংবী মোরী খৌদনবা কৌবী রাইনু অমোম অমপু

শামান লেংমান্নবা মপুক্লিংনা খোয়দাবা রাইনু লাবা অমতা মমিংতা উদদুনা মরৈবাক কবো লমদমদা নীংবা কায়দুনা চহী কুমজা কয়া ময়ুম পান্দনা লৈরক্লবী মহাকনি। মাবু পামজনা মানদি য়ানিংদবা রাইনু লাবা কয়াসু ময়ুম পান্দবমখৈ মাবু ঙাইহনা লৈনরি। রাইনু মোরী খোঁদনবীনা লাইজ ঈমায়না চোল্লবা কবো পাংচাউ অমগী পাংয়া কাণ্টিন অমদা মতোংদা চাক্কদুনা লৈরিঙৈদা কোরৌ থক্কা পাইরিবা রাইনু লাবা কদনবহু খঙহৌদনা পাইথরক্কনা মনাক্তা ভাররে। চিংঙ্ মানা তমখিবা খোংুম মাগী নোংদমখোল তাইবং কনানা খঙবা ঙমগনি মৈতৈ রাইনু কদনবা উবদা রাইনু মোরী খোঁদনবীদো পায়দা পুক্লিং খোয়দাক্করবোই ইকায় ইকি ভুংওইনরগা পাখংগী নাক্কা পাইরক্কনা চাক্কমিন্নরে। শক্কা শক্কা ঊনবদা মিংক্ষম হোংবা ঙন্নদে, সুংশি মিংয়েং মিংচান্নদুনা অপাম মরাং হৌনরে সুংশি ঈখৌ লাংনরে পুক্লিং অনি পুকতিন্নরে। মৈতৈ রাইনু লাবা কবো রাইনু অমোম অনিদো চেক্লা চাদি চিনদিন্না পোঙ্গী চাদি চিল্লোক্কা অপাম সুংশি রারীনদুনা রাশক পন্দোল লোম্লরে। কোরৌ সুমিং অহুদগী রাইনু লাবা অমোম অনিদো শেম্বি কবো লৈবাক্তা সুংশি হুমদিন্নদুনা লোকচপ লোবনুং পুদিং য়াত্তামিন্না ফৈরা থক্কা য়ারেকমিন্নদুনা লৈরকপা লোইদাম থাদুম ফারকলে। নোংমা কোরৌ সুমিং লোয়া তমলোন অঙনবদা এপানৌ মনেম্মচা সুংশিবী মোয়া খোঁদনবী পুরগা রাইনু লাবা কদনবনা শেম্বি কবো ভুংওইনা পোইরৈ মৈত্রবাক পাংলকই কোরৌ কোংমদোল থঙা শাগল ভুকাং রৈনা পাইখিবা রাইনু মোরী খোঁদনবীনা পোইরৈ সনা মৈত্রবাকী চৌংলোন নাইবা চৌপাং কয়া লাল্লকপা চৌংগী নাপোম ফজবা উমং রামং অশোঙবা লোকপা তময়া অহেনবা থেক্লা খোয়না চেল্লিবা ভুরেঙগী ঈচেল, পুক্লিং হুনা নিংথিবা লবুক লমহাংগী ফজবা উবদা মেংরী পেন্নাগ নাইখিদে। চেক্লাচা অনিনা লেপ্তনা পাইখিরকপনা পোইরৈ

মৈরবাক য়েরকপা লমফেল পোইরৌ ফেনবোই লৌ, ফেনত্তাক লমহুংশি, লমলেন অংথা মলমলেন অন্রো য়ারব মতমাং, পানম নিংথৌ মশাইকোল লোইবী চীংশাং অহেনবা শেলেই নিকত্রা নিক্তচীং, লংমাই হাগত্রা কাদ চীং উতং কাপকা হুইগা-থা, চীংমায় মাপল ফারিবা নোংমাইজিং চীংশাং লাল্লকপদা কোরৌ নারল রায়খিত্তুনা মালেম শীনবা থুংনা মমশিল্লকলে। নোংপোক নিংথৌ পাঙ্গনবা খেয়ুম মাগী মশাইকোল নোংমাইজিং চীংগী চীংয়াদা পাংমেল তোমথিন হৌরিবা নোংচুপ চীংথোং তময়া লাইজ পাংকৌ পাংয়াইদা শিংনাং চারিয়া মচানা ঈমায় থুংনা শল্লিবা হুপনৌবা নাপু ফারিবা চোয়াংনা পোপতেক লোল্লিবা লূরবা লাইজ ঈপাক্তা থরো থারিকথা লৈরাংনা শিঙেল পূম-পূম শাংলিবা য়ারল পাংকৌ পাংয়াদা কোংগীলৈ কৌবী লৈরাংনা শিঙেল লৈশাং তমলিবা মলম লমলেম লমহুংশি রাংত পাদবা পাংয়াদা রাইমু মতৈ মনাওদো লোইদাম থাবুম চুপ্পা চাক্তুনা লৈরে।

নোংমা কোরৌ মুমিংকী অয়ুকী য়েন্দা অঙনবদা রাইমু মতৈ মনাওদো নোংমাইজিং চীংশাং তুংওইনা হাওরে নোংচুপ পাংনা চেক্লা শাখপ তম্লকলে। কোরৌ থক্তা পাইরিবা রাইমু লাবা কদনবনা মশানৌ মনেম্মচাদা পোইরৈ লমদম অহেনবা লোইবী চীংমায়; অচৌবা চীংশাং নাপোয়া চরৈ খাংচেংনবগুম নোংচুপ পাংনা কোল্লিবা লাঙ্গোন চীংবু তাকপিখি। লোইবী মাদি চীংদোমপোক চীংমায় থাবু উয়গা চেক্লা পুক্লিং হূম-চীং, চিংঙ, মকুথেন মকু মুংডোলচীং রাবা ফেরে কম্মাং-চীং, থুমু মিংস্না লুক্কু-চীং, মুরা চামনা শিরগা পাথং চামনা ভাইন-চীং, পাথং চামনা শিরগা য়োমলু চামনা ভাইনথেল, লোইবী চীংশাংনা কেল্লিবা লমখেল পাংকী পাংয়াই লমখেলহনবা লমকেলহনবী মতৈ মনাওনা থালৈ লৌতাকমদা রাইমু মতৈ মনাও তারে। ঈশিংনা ঈমায় চোল্লিবা লাইজ ঈপায় থক্তা য়েরাং তাউথোং পাঙ্গীনা কৈনাথুংনা তাউরিবা

লাইজ পাংকী পাংপান্দা লৈকং লৈমায় থক্তা চোইনা চোইনা হৌরিবা চোয়াং পাম্বীগী লৈখোং-খা লৈরাং তোমথিল শাংলিবা শিঙেল মাবু উবদা রাইমু মোরী থৌদনবী মুরা পুক্লিং নুংওলনা মশাবি মমান মকাদা লৈরাং কোলোয় হংলকই। মশানৌ মনেম্মচাগী য়াবা মপাউ তারগা লৈরাং মাবু চিংনা য়েং লৈরাং মউ তাবন্না শানৌ থম্বাল মানবীগী খুবোম চংলে মাল্লিবা, শিঙেল লৈনা তাবনা খ্বাংগী কিশাতেম মাল্লিবা, লৈরাং মানা পোম্নগা মুয়াগী খুবী খুনাও মাল্লিবা, শিঙেল ফুগায়না শাংলগা কুমপী নোংলেন কুচুমান, কুহি কুম্বালখোং কুমজেং কোরি খানা শাংলিবা, শিঙেল তাউবা মখোইরেল য়াবল পাংতা শাংলগা লমফেল পাংতা ওংজবী লমফেল মিংথাং লৌহনা লমফেল নাবা কোম্বৌলৈ লৈরাং কোলোয় মিংলেননি পাওমেন্নবি রাইমু লাবা কদনবনা। য়েংবগী শেনবা নাইদবা চাবা থকপা রাংতবা লমফেল পাংকী পাংয়াদা রাইমু মতৈ মনাওদো চানিংবদা চাদনা থকনিংবদা থক্তনা অয়াম খৌয়াং কোক্তনা লুংভাই রাইবী মরাং কাইনা লোইদাম থাম্বিং কয়া অবা-অনা কাউদনা চেক্লা চাক্তুনা লৈরে।

তাউজিং মরু হনথিবা হৈয়াং হৈজিং কারবী লোইদাম থাম্বিং য়াম্নবী চংপদা মঙম শানজত্রবী পাইবদা শদো খোংলবী রাইমু মোরী থৌদনবীনা নোংমা কোয়ৌ গুমিংতা মশাবি পোংমজনবা কদনবা য়েংলগা কোলোয় মপাউ মেল্লকই। "শাবি ইবুঙো', নুংশিবা পায়মা খোয়জংনা তাবিমু। ওরাং অহৌং মুয়াগী খোমলেন মঙলান-চাদা ওখোকপা মঙবু নঙওইনৈ। চেক্লা লাংথাক হৈবা পোইরৈ নহা পাখংশিংনা শাবি হৈনা নভুংদা মোমম্মু ঐবু য়াওয়ৌ লাং থাক্তনা কারগা য়াইবী থরায় লৌগদবগী তেমশিংলম্মী। শাবি কায়না মৈচাক্লা মুয়া ঐনা বারম্বক্তু থল্লুবদা চাগনি থকনি কাউজে। অরিং অপা থায়বা, অরাং-অপা লৈতবা চাবা-থকপা হাওবা পোইরৈ সক্ল লৈমযোল ওইরবসু নমু তাইবং মীওইশিংদি মীমুংশি থজনে,

চেক্লা লাংথাক হৈবনা য়াইবী থরায় মাংগত্রা পায়মা মুংদা চিংনজে। ইপাম লমদম শেম্বি কবো লৈবাক্কী নমু ভাইবং মীশিংদি মরোৌ চাউদে, মীপুংশি থঙই, চেক্লা লাংথাক হৈজে। নশানে ঐদি কুমশিং থাশিং গুরকপনা লমদম তাম্না চাক্তাবস্ক্ রারে, কোরোৌ থক্তা পাইবস্ক্ ঙমদ্রে। লোইদাম থারুম তরা মপুং ফাত্রিঙ শেম্বি কবো ইপাম লমদমদা পাম্বি ইমোমগী পাঙ্গল শরেপ ফানবা নাউয়োক নাউকোল্লুখিসি।" মশানৌ মনেম্বচাগী য়ারা মতুংইদা পোংমহনবা কদনবা য়াইম্নুনা মশানৌ পুন্না শেম্বি কবো মপুংয়াইদা মপারি মমোম নাউয়োক নাউকোন্নবা পাইখি। শেম্বি কবো য়োৌরগা লোইদাম থাবূম ফাদনা অঙ্গোতোন কেবা হুংশিরবা মপারি অ.। ফংজবদা য়াইম্নু মতে মনাওদো হুংঙাইবগী পন্দোল লোমজরে। মপারি নাউগা পিশক্কু শামা পাঙল চাউনবা চেক্লা কাংদোং ফানবা চেকশিন্না নাউয়োক নাউকোনজে। অসুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা চহী কুমজা ওন্নকলে, মপারি কাংদোং ফারকলে, পলেম মমাগী মতুং ইন্দুনা কোয়না পাইবা ঙমজরে।

নোংমা কোরোৌ হুমিংক্কী অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা পোহনবা কদনবদি চেক্লা মদোম লমদম তাম্না চাক্তাবা চংগ্রিঙে, মপারি অঙ্গোতোম্না পলেম মমাগা লোয়নননা কবো পাংয়াদা চাক্তাহুনা লৈরিঙে শেম্বি কবো পাথংশিংনা হুম্নগা চেক্লা উম্না-লাং, য়াংরোৌ ফানা-লাং থাকলহুনা পিকলিবা অঙ্গোতোনবু ফারগা পুখি। ভাইবং মীথুং চনগ্রবা মপারি কায়না মৈচাক্লা য়াজরবী য়াইম্নু মোৗ়ী থোদনবীদো মপারি অঙ্গোতোনবু কৌহুনা খোংনা লাউনা কপলহুগা মপারিবু ফাহুনা পুরিবা কবো পাথংগী ময়ুম থঙনবা লৌশিং চাউবী মমানা নোংমদোল থক্তা পাইহুনা লাপ্না ইন্নজে। অয়ুক চুপ্পা চাওরবা য়াইম্নু লাবা কদনবনা কোরোৌ নারল

রায়রঙুনা হুক্কপদা মপারি ফাখিবগী অরাবা পাউবু তাবদা শাউবনা লুতোন কাপ্রে। মশানৌ মনেম্বচাদা পোইরৈ মৈত্রবাক্তা হল্লসি মপুকচেল ফত্রবা মীনুংশি খঙত্রবা শেম্বি কবো মীখুৎতা ঐখোয় অনিস্থ নোংমা নত্রগা নোংমদি য়াইবী থরাম মাংলবা য়াই হায়রকলে। মশাবিগী রাজু তারগা লাইবকচাউবী থোদনবী হোয় মাই পাউখুম পীবা ঙমদনা তুমিংনা মকু লুক্নুনা লৈরে। ঙ'হাক রাখল তৌরগা, "শাবি হৈবুঙো শাউবিখিনু ; পায়মা রাখল খোয়দাংখো। কবো মীখুৎ চনপ্রবা থরায়দগী হেন্না নুংশিজরবা পারি অঙ্গোতোন থনমংবা পলেম মমা ওইবী ঐনা করম্না পোইরৈ মৈত্রবাক্তা হনগদগে। কোরৌশংবুম থরদং পারি অঙ্গোতোনগী য়াইবী মথৎরায় কনবা ঙম্ব্রা য়েংখিসি"। অসুম্না থেমজুনা মশাবিহু খামজবন্থ রাইমু লাবা কদনবদি হায়খিবা রাফম হোংদনা নেপথ্রবদা লাইবকচাউবী থোদনবী মশাবিগী মতুং ইনসি ইনঙমদা মপারি থাদোক্নুনা চৎসি চৎঙমদা নুং-অনিগী মরক্তা হা ওইরে, অরাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লরে, রাখল নম্মুক্লরে। মশানৌ মনেম্বচানা শেম্বি কবো থাদোক্নুনা চৎসি ময়াত্রবদা রাইমু লাবা কদনবদি অশাউ মৈনা মাঙওইনা শেম্বি কবো থাদোক্লগা পোইরৈ মৈত্রবাক পাংখি।

মশাবি শেংনা রানে মপারি কায়না মৈচাকনে রাইমু মোরী থোদনবীদো চাবা থকপা চঙদনা তুম্বা হিপ্পা থনদনা অহীং তাংনৌ অথেংবা তাইনং তুমখুল তানথ্রবদা মপারি নাক্তা চংজুনা লোম্না পুকমেন পাংমেম্নে। কবো পাখং অহুনস্থ রাইমু অঙ্গোতোনবু নুংশিহনা চানিংবা মবুক থন্না পীজহনা কাংদোং ফানবা য়োকই। নোংমো নোংমা হৌখিবনা লোইদাম থাবুম ফারকপা লাংহৈ কুম ওন্নকপদা শরেপ কাংদোং ফারমদবা অঙ্গো-তোন শানা পাঙ্গল চাউরকলে মাশা শাকুং থুনেকলে লামদম

তাম্না পাইবা চুম্নগনি খল্লুবদা পলেম মমা ওইবীদো হৌথরাম্ম ঙ্গংঙাইজরে। চিঙু লাইনিং চেৎপদগী খোযুম নোংদমখোল লাক্লবোই কখো পাখং অহুনা রাইমু মচাগী মচিঙ্গাক হুম্লম্নগা কাউহুনা হখোং থিংজিল্লগা চাবা পেন্নোনদি লোন্দনা থংলিবত্ত মমা থৌদনবীনা অরাপ্পদা উরে। অহীং তা লৌ অখেংবা মীচিক মীরাংখোল ভাদ্রবা হৌভমদা মোরী থৌদনবীনা লাক্লুনা মপারি অঙ্গোতোন পুরগা মশাবিগী মখর খোঙ্গুল লীবা পোইরে মৈত্রবাক পাংলকলে। কোরৌ থক্তা পাইনা পাইনা ইমুং মমৈ রায়খিদ্রুনা শজিক মশোং কাংলকপা অমম অঙান শিগ্নরকপা উবদা পাঙ্গল শবেপ ফংদ্রা মপারি অঙ্গোতোন রাবম্লগনি খন্দুনা পাংম্না কংচিন অথুম্লা উরক রারক অশোংবা চীংলক লোকচপ তখ্লবা য়েংদুনা হমা মচা মতম থরা পোথংরে। ঙাহাক পোথাবগা রাইমু মমা মচা অনিদো শেম্নি কবো তুংওইননা লোইবী চীংলোন লান্দনা চীংশাং নাপোম ইলনা চেক্লা শাকুং খপ, পোম্বী তুফাং য়ম্বনা কোরৌ মৈচাক খাংনা রাংবল মৈশা লাংনা চাম্না চফম শিংনা লাইজ ঈখৌ লাংনা অরা কোঙ্গায় খঙদনা মশাবি কদনবগী পোক্লফম অরাং কৌক্রু চীংদোমপোক লোক-মায় খুদেং শাবা লমদম তাম্না পাইরকলে।

কৌক্রু চীংগী চীংমায় লোইবী চীংখোং ত য়াদা হানৌনা শংনা কারিবা য়াইপলনা ঙাঙনা শাংলিবা ঈঙেল লোক্কী লোকচীম্পা চাক্তাবিবা চেক্লা শায়ামগী গবক্তা মশাবি য়াওর গনি খল্লুনা হরাও হরাওনা মঙা হচানা চংজরুবদি মশাবি কদনবগী চেংলৌ নশক উরক্রুবদা রাইমু মোরী থৌদনবী মথংগায় রারকলে। পলেম ইমা ইবেম্মা। কৌক্রু চীংমায় য়েংশ্বত্রা পম্বৌ চাক্তাফম খংলত্রা মপারিনা তোয়না তোয়না হংলক্লবদা পারি ইবুঙো ম্লংশিবা। কৌক্রু চীংমায় য়েংরে পম্বৌ নপাদি খিবা ফংদ্রে

পাউখুমজ পলেম মমা ওইবীনা। মমা মচা অনিদো পোথাবগী লুংঙাইফম খুদনা কেক্রু চীংমায় তুংওইনা হাওরৈ খা পাংনা লেপ্পুনা পাইরকপনা কেগে মোইরাং লৈবাক য়েরবলে। মতা-ংবোকী তমথরকপা খোইঙেজেং চীংগীনা চীংজেল লাল্লুরা লোঙ্কীদি লোকমাং লোইবী চীংগী চীংমায়দা পামেল শয়ি ওচোবা চীংমায় থম্না হৌরিবা খুগা নানবী তুরেলনা তোইর থেক্লা চেল্লিংগা, কোংয়াং রাগী রাশা ফৈরা থক্কুনা চীংশোং লৈমা তনৌবী, চেক্লা মানথিক চন্নু, লমগী খুনু থারীকপী পোঙ্গী নখৌ ইপোং পোঙ, চেক্লা মথা ইচোই-চোই কু ক্রু রারিবিবা লমদন অতু উবদা পায়মা পূক্লিং পেংবোই পারি ইবুঙো য়েঙুনে লমদম অসি হুংশিদা কেগে তোরবং লমজাউনি তাকপি নপারি ওইবদা। লাইক্ত তুরেল খোংবান্দা পানেন উয়ুং মচানা তলা নেন নেম হৌরিবা খুগা তুরেল খোংনুংদা চেক্লা শায়াম চাঙারিবা নশাবি য়াওবরা য়েংজরুবস্ত য়াউরমদ্রবদা মমা নচা তনিদো নীংবা কায়রে, অরাবা ঈপাক্কা ঈরাক্করে। কোরৌ মৈচাক খাং রাংবন মৈশা লাংনা কোয়না লয়না পাইহ্নুনা মশাবি থিবা ফংলক্রুবদা লোইবী চীংশং লাল্লা পাইরগা পম্মৌ মাবু থিরসি ইমাগী হৈনা তুংইম্নবদা পারি ইবুঙো রাগম্মু থেম্নকই মচাবু শুংশিদা রাহৈনা। পলেম ইমা ইবেম্মা পম্মৌ চেংলৌ উজগে, নপারি চাউদবা রাজরোই চাদে থক্তে হায়দ্ররোই খুম-লকপা মপারিগী রাতু তারগা রাইনু মোরী থৌদনবী নথবায় লুংঙাইনা মপারি পুদুনা কেগে মোইরাং তুংওইনা হাওরৈ খা পাংনা চেক্লা শাখপ তম্নকলে।

চিংঙু মতিক হেল্লবা খোমুম মণ্ডল চাউরবা থারম মায়কৈ ঙাকলিবা রাংক্রেন থানা চাউবা চিংঙু মানা কোনবলন লোইবী চীংগী চীংথোং লাইজ তুরেল খোংবান্দা চক্লী ...

ঈমায় নোংচুপ পাংনা চেল্লিবা থৌবোন য়াংগেল মপালনা ঙৈরোক ঙৌনা শাৎলিবা মলম লমলেন লমমুংশি শুগ্ন শেরৌ লমজাউদা চেক্লা শায়াম চাক্তারিবা মফমতুদা মমা মচা অনিনা কোয়না চৎতুনা থিবদস্ত মশাবি য়াংবা উরক্রবদা রাইগু নোরী খৌদনবীদো রাবা পন্দোল লোল্লকলে। "ইমাগী ইবুঙো অঙ্গোতোন! কোরৌ চপ্পা ইমাগী হৈনা ইভুং ইনবদা তরা চফম শিংলিবা লাইজ ঈখৌ লাংলিবা পারি ইবুঙো রাগমু ইমাগী হৈনা ইল্লকউ, নোংপোক মায়াক পাংনা পম্মৌগী চাক্তাফম থিরুসি।" তমুমা পুকমেন পাওমেন্নতুনা মমা মচা অনিদো নোংপোক মায়াক পাংনা অমুক পাইরকলে। রাংঙু লৈনা ইবেম্মা খোংজোম তুরে ঙানবী ইমা তম্ফা লাইরেম্বী পলেমনা পনবান য়াথোকফম লমেন চীংগী চীংদোল চার ফিশাং তিংবগুম পামেল উচান পাম্বীনা চীংখোং শম্না লৈতেংবা লমনম পাংকী শাংবাদা চেক্লা শায়াম চাক্তারিবা মরক্তা চঙতুনা থিবদস্তু পম্মৌ মপা য়াওরমদে। রাইগু মমা মচাদো নীংবা কোঙ্গাই কায়রবস্তু হনবা লৈতনা রাবা খঙদনা অমাং নোংপোক পাংনা পম্মৌ মপা থিবা অমুক পাইরকলে। লমদম মাদি লমমুংশি রাবা লোক্কী লোকমায়না নোংপোক মায়কৈ শল্লিবা কালিবা লোক্কী চীংশানা চীংমায় অমাং ওল্লিবা হৈরেম পুংমাথক্তা পুংমথোল খুনজান থেনাথক্তা খেমাথোন খোয়ুম খম্নাংবগী মশাইকোল চোম্নাং কোমগী পাংশান্দা চাক্তারিবা চেক্লা শায়াম মরক্তস্তু চঙহনা মশাবি য়াওবরা য়েংবরু চেংলৌ মানবা উদরে। রাইগু মমা মচাদো পোন্থাফম খঙদনা নোংপোক চীংখে তম্না চেক্লা শাখপ তম্নকলে। লমলেন চকপী রায়াখোং অদোম রাইখোং লমমুংশি তরাউ চীংগোলমুং, হামেং খেনজি-চীং, লোইবী চীংদি ইমুরোল লোইবী তরাউ চীংমায়দা অমুক তরা চেংদাইফম মুংদাং তরেং শেলথিফম চমেন কুন্দো লৈরাংনা

শিগুেল ঙৌনা শাৎলিবা ইমা থুমখোং লাইরেম্বীগী থুমখোং পাংকী চেকয়াদা চেক্লা শায়াম মরক্তা পম্মৌ য়াওবরা য়েংঙুসি চঙলকপবু পম্মৌ মানবা উদরে।

রাইনু মমা মচাদো রাই রাদে শোন্দনা অমা পোম্বা লৈতনা চাদে থক্তে খন্দনা হাওরে খা .পানা চেক্লা শাখপ ত্তকলে। চন্দোল পোকপী চীংমুংশি, লৈনুং মহারাবনা তা মোম্মন মোনখাংনরিবা লোইবী চীংগী চীংয়াদা হানৌনা শংনা কারিনা হুপনৌনা লেং-লেং চৎলিবা পুমলেম পাংকী পাংয়ানা চেক্লা শায়াম চাক্লারিবা মরক্তা য়েংশুবনস্তু মশাবি মানবা উদরে। কোরৌ হুমিং হুমনি চুপ্পা তরা চকমশিং, লাইজ ঈখৌ লানা অরা অনা খঙদনা পলেম মমাগী লৈনা মতুং ইন্না পম্মৌ মাবু থিবা ফংলক্রুবদা মপারি অঙ্গোতোননা শেম্মি কনো লৈবাক্লা হুন্নসি হায়না মমাদা তকনরকলে। মচাগী রাজু তারগা লাইবক-চাওবী মমাদো অমা মৈচাক নুংদাকুম কায়না লৈনা ওমচাক্লা মপারি চেংলৌ চিংনা য়েংলগা ইমাগী ইবুঙো রাগনু, পম্মৌ থিবা ফংগনি পাউমেননজ মপারিবু নুংশিনা। মোংবা তুরেল তুখুন্না তোৱৈ থেক্লা কোলিবা, চিঙু মাদি অথোইবা য়োংকী খুরুম তোংলিবা, শেঙদা চিমু পায়রিবা চিঙু লোক নিংথৌ খোয়ুম মাগী মশাইকোল, চীংশাং নাপোম ঙানবী, কোবা লোকমায় হেনবী, মনোম লাংলেন ইবেম্মা খোয়ুম ইরোক লৈমনা কোল্লিবা পানেল তেরা পাম্বীনা লৈরাংগুম ঙৌনা শাৎলিবা লমলেন রাইহুদা খোংবান্দা চেক্লা শায়াম চাক্লারমগনি পম্মৌ য়াওবরা য়ে ঙুসি পুবমেন পাংমেহনা চেক্লা শাগন তিং, পোম্বী শাক্লং খপনা পাইরকপা মমা মচাদো উবদা নুংশিবিরবোই খোয়ুম মানা লনজিংবিরকলে। চেক্লা মতু ইপোন-পোন, পোম্বী মকোক ইচাউ-চাউ, মপারি কায়না মৈচাক্লা মশানৌ শেংনা

রাখলনা চেক্লা তুশোন নাউশোঃরবা চাদবনা ভাংলেংনা থক্কবনা খোঁগংনরবা মশক মচু ওঙ্লবা মশাবি কদনবগী চেংলৌ শক্লম উবদা রাইনু মোরী থোঁদনবী হরাওবনা লুতোন শাংলে অরাবা পুম্বা কাউপ্রে মপারি অঙ্গোতোন মাংনথা মশাবিগী নাওা চঙলকলে। শায়াম লক্তা চাঙ্গাদবা রাইনু লাবা কদনবস্ত মঃ। মচাওা লাকপত্র অরাপ্পদা উবদা পোম্বী মখৌ ফনদুনা চেক্লা শারুং থপতুনা হরাও মুংঙাই য়াকাতম মমা মচাবু কৌর কৌরদুনা চেনশিল্লবই। বোরৌ শিংবুম কয়ানি কায়নক্লবা মঃ মচা অনিবু য়েংলগা রাইনু লাবা কদনবা মিংলুদা পিরাং শিন্থরকই। "পারি ইবুঙো নুংশিবা! ওলেম নমা নচা অনিগী চেংলৌ শক্লন উদবগী, চায়া নামাতা চাদুনা অরাবা মৈচাক থাংলকপা ওসিদি অরাবা পুম্বা কোকলে। ইপাগী নাওা চঙলকউ চেক্লা চিনদিঃ পোম্বী চিল্লোক্লা হরাও মুংঙাই য়াকা তম্লসি" হায়রকপত্র তাবদা রাইনু মোরী থোঁদনবী পায়মা থৈনা পেনজে। কোরৌ নুমিং অদুদা রাইনু মপা মচা অহুমদো লমলেন রাইদুদাগী লমদমওা চেক্লা চিনদিঃ পোম্বী চিল্লোক্লা হরাও মুংঙাই রারীনদুনা অহীং অদু য়ারেকশিন্নখি।

লমলেন রাইনুদা খোংবান্দা অহীং অদু লেল্লগা অয়ুকী য়েন্না অঙনবদা রাইনু লাবা কদনবনা মপারি অঙ্গোতোন পুদুনা কেগে মোইরাং পাংলবলে। থাংজীং চীংদোল অরা বা কোরৌ নোংলেন ফংলিবা মরা লিশিং লিশিংওা মালেম লৈরোল ফানরিবা লোইবী চীংগী চীংমায়দা পামেলনা বুংনা হৌদুনা অশংবা চরৈ থনবগুম য়েংবগী পেনবা নাইদবা চীংদোল লায়া পাইরকলে। লোক্তাক ঈরেল ঈপাক্লা শকম্লেং মিংশেলগুম লংলিবা, নুরবা লাইজ ঈমায়দা মালং ফোরোই তুংইননা ঈথক্লা জগোয় শারিবা চাংজোনা পুংবু য়েরিবা, লাইজ ঈপাক থক্লা

চেক্লা থঙ্গোং মচানা শানবা ঈরোই তমদুনা ঈমু খোঙগাউননা শান্নরিবা লমলেন লোক্তাক খোংবাল তম্না রাইমু লাবনা মাঙদা-থা মমা মচা কুমল্লকলে। বেগে লোক্তাক রাংক্লুরেল মোইরাং লোক্তাক ঈরেনবুং য়েলনানা শৌজিল লোল্লিবা, চরাংনা ঈমায় শীরিবা, চেকয়া কোন্দোন লৈরাংনা ইশং শংনা শাংলিবা, কঙ্গোং হাউনা মনানা নোংদোল তেমশিংনরিবা, য়েন্নাং চাউখোং পান্থীনা ফৈনা য়ুংনা তাউরিবা লৈরাং থারিকথা মচানা শিঙেল মকা লাম্না শা লিবা, কেগে লাইথু পাংতা ওংজবী মনা চমলো লাচান্নবা মপাল শিঙেল লৈংইনবা মহৈ তাউজিং হৈচান্নবা, ঈরোলন্নুংদা পোম্লগা ঈপাল লাংনা শাংলিবী, শিঙেল থম্বাল লৈরাংনা হাইনা ছম্না ঙাল্লিবা লাইজ ঈনা রাংলগা মালেম লৈনা নেমলিবা কেগে লাইগা হিগালম মোইরাং শনদেন ইরাইকোল ঈথক্লা ঈমায় নিকলিবা লোক্তাক পাংকী ফজবতু উবদা রাইমু মোরী থৌদনবী নুরা পূক্লিং খোয়দারবোই মিংফম হোংদনা য়েংজরে। য়েংখি য়েংখিবা মায়কৈদা মিংফম হোংবা য়াদবা উরু উরুবা খুদিংদা পেনবা কৌবা নাইদবা চাক্তাফম য়েংই রাংতবা য়াতাফম থিরে মুংঙাইবা, লেমলৈ ঙাশক রাংতবা, ঙায়াম লৈবতু উবদা মনীং তম্না চাহুনা মথা তম্না লৈহুনা মপারি মমোম য়োক্কুনা চেক্লা পুনসি লেল্লসি লেপ্লরে রাইমু মতে মনাওদো। চাক্তাফম অফবা থিদুনা য়াতাফম মুংঙাইবা য়েংহুনা লমলেন লোক্তাক খোঙহুংদা মী পোং উদবা লমদমদা রাইমু মমা মচা অহুমদো অরাং অপা লৈতনা লৈত লায়রা খন্দনা মুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না চেক্লা পুন্সি লেল্লক্লে।

হৈয়েল চাকলাইঙম্বী মপল রালহৌ থেংবী চেক্লা লমলোই অতোম্বী শোইবুঙবী য়াহৌচেক উথুম কৌবী খোলনৌবী মপল মুংবাল থালৈলো লৌরিনা কৈয়েল শারিবা শেলোই পিরেনথক

তুপনৌ নায়াই ৈয়েনচিক শাংবল ফৌনা নাবাংবী লোইমোম ফৌখোং খান্নদা চেক্লা মথা ইচোই-চোই পোঙ্গী মখৌ ইপোং-পোং, চেক্লানা তুম তুম য়াংকাম্বরকপা কেগে ইমুং ভাল্লকপা মোইরাং শোয়া হেল্লকপদা রাইমু লাবা কদনবনা মশানৌ থৌদনবী মপারি অঙ্গোতোন পুরগা লমলেন লোক্তাক খোঙমুংদা চেক্লা চাক্তাবা কুংক্লে। কোরৌ মানা নেমশিল্লক মাশেন লৈনা মমশিংক্লবদা রাইমু মমা মচা অহুমদো মবুক থমা চারগা য়াংভাকন ভান্না লাক্লুনা নিংভাইদনা পোখাররে। চিংঙু মতিক হেল্লবা খোয়ুম মঙাল নাইরবা কেগে চাউহনগে মনীং, মোইরাং শাংহনগে মথা তম্লিবা চিংঙু থাংজী কোয়রেল্লাই, পালোই ভাবা লাইনিংথৌনা শাইওন লিলা পুথোক্লুনা শান্নখিবা অপাম মুংশি রারী কয়াবু শৈশক্লখিবা কেগে মোইরাং লৈকোয়পুংনি ভাকপিরে মশানৌ মনেমচাগী মফমদা রাইমু লাবা কদনবনা। মশাবিগী য়াৱাতু তারগা রাইমু মোরী থৌদনবীনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মুংশি শাইওন খোঙদামিন্নখিবা অপাম মুংশি রায়থুং-নখিবা লৈপুল খয়োন শেম্নখিবা শাবি শানৌশিংগী মুংশি শাই-ওন রারীবু খঙলবদি মথং শিংনা লীবিয়ু তাজগে তক্লরবলে মশাবি মমানমচাদা। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী মুংশি শাইওন রারীদি তুরেলগুম ঈচেল লেপ্পবা লৈরাংগুম লৈনম মাঙদবা শিংভেলগুম লৈশক হেল্লবা খোইরেল হিগুম খোইমুম্বা ইপা রায়ী তচেংপা ইপু রারী অথুপ্পবু শৈশক শৈদা সুনা লীবা ঙম্বা চিংঙু থাংজীং লাইদা থম্মোয় চেংনা থাগোননজে রাইমু লাবা কদনবনা।

অতিয়া গুরু শিদবা মপুনা খোয়ুম মতিক মঙলবু কোংদোক্লগে খল্লদুনা লৈশেমঙেদা শেমখিবা চেক্লা থুম্ন লাবা অমোম অনিবু

লুনা চান্না য়োকপিখি। খুনু লাবা অমোম অনিনস্থ মপুগী নাক্তা লেঙদনা লৈখি। গুরুনা খঙহৌদনা থুপগ্রবদা খুনু লাবা অমোম অনিদো মরুঙো উদ্রবদা লৈফম চাফম খঙদতুনা অয়ুক সুংখিল নুংদাং থাক্তনা কুরু কুরু খোংতুনা গুরুবু কৌতুনা পোইরে মৈত্রবাক শিনবা থুংনা পাইরুরগা হনজিন্ফম খঙদতুনা কেগে মোইরাং তান্না পাইরকলে। থাংজীং চীংগোন্দা চঙতুনা তলা পামেল উঙ্গাউগী উশাদা তোংতুনা অরা পোথানরিঙৈদা কেগে য়াওরো শাদানবা পোঙ্গী চেক্লা লাংথাকপনা লিরি খোংজিলাক লিরুং তেঙ্গাথোং, লাকা তেলমে লাক্কুনা খুনু মতে মনাওদা রাইরা তেলবু তেন্দন্বদা মরাইবকথীরবা খুনু অমোমদা পান্দুনা ঈমু ফিরাক থায়না মালেম থক্তা লোংনা তারে। উফুল থক্তা ওক্লা থোইনা অনা চৈনাখোল থাঙলিবী মশানৌগী নাক্তা খুনু লাবা পাইথরক্কুনা চেক্লা মিংলু অনিদা তরং লাইজ ঈরা চেন্দুনা চেক্লা চিনদিগা পোঙ্গী চিন্নোক্লা তেংথানরিঙৈদা মীনুংশি খঙদবা শাদানবনা তেল অমুক কাপলক্কুনা খুনু লাবদা থারে। খুনু লাবা অমোম অনিনা য়াইবী মথরায় মাংলমদাই ফাওবদা মপুরিংদা গুরুবু কাউখিদে মচিন্দা কুরু বুরু খোংতুনা তাইবং মপুরেলগী মিলেনবু শোন্দুনা খুনু মতে মনাংদো য়াইবী মথরায় থানিন্নখি। শাদানবগী তেলনা পান্দুনা উথ ক্তগী খুন্নুনা লৈবাক্তা তারকপা মফমতু ল লেন খুনুতা কৌনখি। খুনু মতে মনাওগী য়াইবী থরায়দু লেম্না মাঙদনবা তাইবং মপুনা চিংঙু থাংজীং লাইদা শিন্নবিবদগী খোয়ুম নোংদমখোলনা বেগে মোইরাং লৈ-বাক্তা নমু তাইবংমী ওইনা পোক্কুনা শাবি শানৌ অনিদো অপায় নুংশি থারথুংলনবা নুংশি শাইওন খোঙদামিন্নখি।

হেঞ্জুনহ-থোংনাং লাইরৌলেখী

কেগে পোকপা সোরারেল মোইরাং পোকপা লাইনিংথৌ থাংজীং কোন্দুম য়াইমরু সনা কম্বাল্ থেনগাবা নুংবী শিদবা খুনেংনবা মুংনাং নাদববু খুদানবা পামেল উথম্মাল নমঙানবা খোয়ুম শাইওন য়ম্বা খোইরা ঙংঙোই লৈঙাকপা ময়ুম মোইরাং লৈবাক্কী মালেম চিথেক মরি মায়কৈ নিপাল শুংদাই তরাতরুপ শিংগাই হুমফুমরিবু ঙাক শেল্লিবা শন্নথোং পুংমায় লেপ্পা চি ঙ, মাগী লাংওন ইরাং পুরিংলাই ঙাংনিংশিং অতোংবনা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী নিংথৌ ওইহনা পাল্লি। ঙাংনিংশিংগী মথংদা কেগে লোংলেনহনবা ফাং লিকলাইনা নিংথৌ ওই। মাগী মতুংদা য়োইবনা পাল্লি। মাগী মথংদা নয় নিংথৌ পুরিংলাই নারোং লাইরিনা, অতুদগী পুরিংলাই ময়াগনা মথং মথং নিংথৌ ওই। অতুগী মতুংদা মৈনা রায়না কোলোয় মিংথোনবা ইরাং পুরিংলাই মমু চরিক চানা নিংথৌ ওইহনা পাল্লি। অসুম্না কেগে মোই-রাং লৈবাক্তা মথং মথং ওইনা খোয়ুম লাইনা নিংথৌ ওইহনা পানবা হয়িচক্কী কুমশিং লোইরবদা লাংবচক্কী কুমশিং ৩০৯৫ থবদা নমু তাইবং মীনা নিংথৌ ওইনা পানবা হৌই। মৈনা রায়না তাংনা শমহৌবা খোয়ুম লাইগী দি মমৈ নমু তাইবং মীগীদি মকোক ইরাং পুরিংলাই ফাং ফাং পোংলেনহবনা কেগে মোইরাং লৈকোয়বুংদা খুংকন পাঙননা নিংথৌ ওইনা পাল্লি। খোয়ুম লাইনা পাল্লম্বদা নমু তাইবং মীনা হেক শিল্লকপা মতমম্রিদা কেগে থাংজীং লাইনা মদাইরেম খোয়োন লাইমেবা মোরী অমাইবদা খোম্নেন মঙফাওনহনা কেগে মোইরাং নিংথৌদা পাঙ-

দম্মু খোয়ম মঙপাউ পীবিরকই। কেগে থেমিং অকুবা মোইরাং হিপুং য়াইপুং কয়াবু তীলথি লাইথিরগা ইরাং থৌনিজরবদি কেগে মনিল নাই মোইরাং মরাং হৌনা অরাং অপা লৈতনা পানগনি হায়না মবুধে থাংজীংগী মঙপাউবু মপু মোইরাং নিংথৌ ক্ষাং ফাং পোংলেনহনবনা মোরী অমাইবনা পাউদমজে। চিংঙু ময়াথং তুংইন্না কেগে মচেং অমনা নুমিং লাংলি, মোইরাং মচেং অমনা কোরেক লাইখোং লাংলি, খোয়োল মচেং অমনা হেবী তেশাদা লাংলি, ঙাঙোই মচেং অমনা লৈচিল নোংফাই লাংলি, খোয়োল মচেং অমনা হিপুং য়াইপুং লাংলি, মোইরাং মচেং অমনা লৌকু লোবা লাংলি। অদুগা কেগে মীয়ামগা মাগী মাগী পারি পুরি থিহনা কেগে থোইয়া ১৪ মোইরাং থোইয়া ১৫বু ইরাং থৌনিজরক্লে। কেগে লৈবাক চঙনা মোইরাং নিংথৌ য়াওনা চহী অদুদা চিংঙু থাংজীং লাই হরাওবা হৌদোক্লে। নিংথৌ সনা মহাকথক্তা চাংখা, খোয়োল, ঙাংলৌ, খাম্বী, হীগা, ওকচিল, চেংলৈ, য়াওস্রু হায়না লৈকায নিপাল থোক্লা খায়-দোকলে। কৈথেল মাপল চেংগৈ তরেং ফৌগৈ তরেং শেমলে। অপানফম মরি, লৈকায়লাকপা নিপাল, কৈথেল্লাকপা মাপল, ফমদো হুনকুমরি, পানা মরি, খুনথক খুনখা পুম্নমক শেহনা মমিং পোরে। অমাইবা চামগী য়াকাশঙ, অশেবা চামগী য়োই-রেনশঙ, নামুং অতেংশঙ, চৈশিং কক্লা রায়েনফম কেগে চৈককপুং কুচু থৌদাফম মোইরাং রারোইফমনচিংবা শঙ পুম্নমকস্নু শরে। লৈবাক্কী রায়েল থৌদা হৌন-লোনচং, লমচং-শাজং ফিজেং রাঙাং-শাংং, চাকচা-হৈজা, থবক-ইনথাং চংনরোন, থেংগল্লোন, নিংথৌরোলগী পুম্নমক নিংথৌ সনা মহাক থক্তা শেমদোক্লে। অঙম-অথৌ ফমাইবা, ফমদৌশিংগী থৌকাশঙ কেগে কংলা উত্রা শঙলাংমৈ শারে। য়াংগোই শামু হকচাউবা শায়াম যারে,

লাংগোই শগোল কয়া কাওরেল যগয়ামসু য়োকলে। কেগে য়ুংকোক লাখা অনি শিশিং অমা চাতরেং হুমকু মাথোই ওনা পায়ে। অসুমা অরাং অপা লৈতনা খুনজাউ লৈচাউনা চাকহোং ডাহোংনা চীংবুরোই তম্বুরোই শিনবা থুংনা য়েক্ক তিংখং লৈতনা পুরিংলাই ফাং ফাং পোংলেনহনবনা চহী কুমশিং মরিক, কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নিংথৌ ওইনা মনীং মথা তম্না পাম্মি

পুরিংলাই ফাংফাং পোংলেনহনবগী সনা মহাকথক্তা তাইবং মপুনা খুম্ন মতৌ মনাও অনিগী মাঙফম্রবা য়াইবী থরায় অতুনা নমু তাইবং মীগী মশক লৌরগা থোয়ুম লাইগী নোংদমখোলদগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মুংশি শাইওন খোঙদারক্লে। খুম্নু লাবা অতুনা মোইরাং খাম্বী লৈকায়দা লৈবা লাংলেনহনবগী মপারি ওইনা পোক্লে। মাবু পোকপী পলেম মমানা খোইদোম লুথ্রাবী কৌই। মথক্তা ময়াম্বা পোকপা মখাদা মনাও তাদবা পলেম পম্থৌ অনিগী অমত্তা ডায়জরবা' মপারিনি। নাইতোম পানবা তাউজিং হৈদোমপোক্পম মশক মতৌ চঙখোনবা শংং শাদা অতাংবা মঙোন্দগী হেনবা কনাসু লৈতে হায়তুনা মপারিগী কোলোয় মিংলেন 'হেজুনহা' মিংথোক্লে। খুম্নু অমোম অতুনা কেগে খোয়োল লৈকায়দা লৈবা মোইরাং লৈবাকী তংঙম্বা নিঙোল লাকপা খোইজুহোংবগী মমোম মথক্তা মচেম শাংতবী মখাদা মনাও পোয়দবী লাংবন চেংগুম পান্দোংগুম তোম-শাংনবী থোংনাং লাইরোলেম্বী শাইওক্লে। অসুমা থোয়ুম লাইগী নোংদমখোন্দগী মুরা পাখং অনিসে নোংমা মোংমগী চাউশিল্লকপনা শিঙেল চাউবা লেপ তমলক্লে লৈরাং শাংবা লম ফারকলে। কৈরোয় লৈকায়গী শামান লেংমান্নবা মমান্নবশিং হৌমিন কামিন্নবা খোয়নৌ মতাশিংসু মখোয় অনিবু উবদা মুংশিদবা য়েংনিংদবা হায়নিংদবা কৌনিংদবা য়াওরক্লে। মথোয়বু পোকপা পলেম

পন্থৌশিংনস্থ অমত্তা ঙায়বা তাঙনা ফংবা মচা ওইবনা অয়ুক্তা থোকপা শজিক্লুম নুংদাংগী থবাগুম য়েংজদুনতা লৈরক্লে।

মোইরাং লাংলেনহনবদি লায়র অদোল তাম্বনা মপাঙ্গলনা শু-নোমদুনা হিংজে। নোংমা মান। তননা হিরেন অমা শারগা মোইরাং নিংথৌদা কংকে থন্দুনা পামেল উজাউ নাচুম্বা অমা য়ান্নবা মখুত্তা শিংজং পায়দুনা থাংজীং চীংগোন্দা চঙলকই। কোয়না চংদুনা উজাও থিবদা কংলক্ত্রবদা নুমিৎ তারমদাইদা লাই-ওইরবা উজাউ অমা থেংনদুনা মতু য়াম্বুগে থল্লদুনা মখুত্তা পায়রিবা শিংজংনা থাঙফম অহুম খক হকল্লবদা শিংজং ময়াদা ঈখেং পল্লকই, থাংফমদা ঈ হাথরকই, উজাউ তন্থু মতোমদা ফেরে ফেরে হাইদুনা গে গে খোংলকই। অঙকপা থৌদোক্ত উবদা লাংলেনহনবদি মখুংতা পায়রিবা শিংজং অতু লুত্তোক্লয়গা মোংবা মরানয়াই তন্না চেল্লকই। চেলনা চেলনা লাকপতু ময়ুম য়ৌবা ঙমদনা মোইরাং লাংলেনহনবদি থরাই থোঙ্গাল লানশিনবদা অনা লাইপোং ফারদুনা মোমনু তালোয় নুংশিবী খোইদোম লুখ্রাবীবু খুংলাম তোয়না কৌরক্লে। "ইশানৌ ইনেম্মচা নহাকপু ঐনা কৌরিবস তাবিব্রা? নশাবি ঐদি শামা পাঙ্গল ময়েং তাশিনক্লে, খোংথাং খুরৌ চেল্লকলে মিং অনিস্থু উরক্তে। নহাক্লা ঐবু ইরানয়াই তাল্লা অমুক্তা পুশিনবিয়ু" হায়রম্লগা য়ুমগী দারি কাবা ঙমদদুনা মশাবিদি চুরী ইচুম তাফমদা থরো কাংক্রম ওনবগুম ওল্লম্লগা লোংনা তাদুনা লৈরে। ইবেম্মনা চোংথরক্লুনা মশাবিবু কোনখংলগা ইমুং তাল্লা পুশিন্দুনা থরাই লাইকন্নবা হোৌরক্লে। কোরৌনা নারল রায়শিনখিবনা পিকলিবা মপারিবু লুত্তোকলম্লগা লৈকায় লাল্লা মাইবা থিবা চংকদবস্থু চংথোকপা ঙমদদুনা অহীং চুপ্পা মতোমতা থরাই লাইকন্নজরকই। নুমিৎ অতুগী অহীং তাংলো অথেংবা মীচিক রীরাউখোল হোরক্রবা

মতমদা চিংঙু থাংজীং লাইনা উমং লাই শারোই হুমফুমাপল কৌরে মাম্বকে ঙাকপা লাই মরিস্তু য়াওনা লাইয়াম পুম্নমক থাংজীং লাইকোন্দা তিন্নরে। থাংজীংগী তালোয় অহল কোয়রেল লৈমদি খঙহনদে তাহনদে। থাংজীংনা খারম পুবিরা ব্রাংব্রেন খানা চাউববু কৌশিল্লগা মোইরাং লাংলেনহনবগী য়াইবী লৌরুবো হায়না থৌদারে। পুন্সি চেংজেল য়াম্লক্কবা য়ামজোম মরাইবক থীরবা লাংলেনহনবগী য়াইবী লৌনবা ব্রাংব্রেন্না থাংজীংগী মম্নাথং পুদুনা মোইরাং লাংলেনহনবগী মোংবা মশাইকোল তান্না লাক্লে, মিকুপ নাল্লুম শেন্নদুনা লৈখে। অঙাং নাউরা ওইরিবা হেজুনহাদি পংচৌগী অনা লাইঙং খঙদবনা নিঙাইবা লৈতনা খোমলেন তুমখুল তাল্লি। মোমনু লাইবক চাউবী খোইদোম লুখ্রাবীদি তরা চাবা চংদনা খোমলেন য়াতাবা য়াদনা চংবী লফু মতুপকুম লেঙদনা তারিবা মশাবিগী খুয়াদা ফমদুনা লাইনীং পরৈ চেংনা মশাবিগী মখোং থম্বালদু মুরানা নান্দুনা লৈজরি। ইনুং চবুক লোল্লকপা মীচিক মীরাউখোল তারক্রবদা মশাবিগী খুয়াদা ফমল্লিবী খোইদোম লুখ্রাবী ইবেম্মা মিকুপ খরদং খঙহৌদনা খোমলেন তুমখুল তানখি। মুরাগী খোমলেন মঙলানচান্দা চিংঙু থাংজীং লাক্লুনা "হায় মোইরাং লাংলেনহনবা, নহাক্না পামেল উশক য়েংদনা তলা উরাং খঙদনা থাংজীং ঐগী ইশাইকোন্দা হৌবা ঐগী শাইওন তলা নাচুম্না পামেল উজাউবু য়াল্লুবনা তাইবং চেংজেন লোইদনা খমনুং শারা তান অমলগী য়াইথোং বুমলংদবনি। তাইবং উয়ান চাকতানমিম্নবা নশানৌ কায়ননবা, নপারি শেং-ননবা থাংজীং ইখুংনা য়েংনা লৈবা পরৈ ওইনা হল্লে" হায়না খোমলেন মঙফাওনরে। খোমলেন তুমখুল তাল্লুরবী মুরানা মশাবিগী শমু হকচাংদু থাদোকপা উবদা শেন্নদুনা লৈরিবা ব্রাংব্রেন্না

হদোম হাইবলৈ, কোয়ৌ মৈশা লাংলগা লৈরাং খোইরুম চন্দবলে, রাংবল মৈশা খাগুলগা শিঙেল লৈশক হেনবলৈ, শাবি-শানৌ কয়াগী অমল থম্বা কুম্বদা করাং থক্তা হেনবলৈ, কোয়ৌ থক্তা ভানবলৈ, মেরা থাগী লৈচিলগা শিঙেল মায়োক্লা শাংপলৈ, লৈরাং কোলোয় মিংলেন্দি শিঙেল নাবা মখোইরেল শিনে লশিং লৈরাং-গদা হুরা ইনেম্মচানি। হুরা পাখং অনিসি চেংলৌ শকথঙ মায়-খঙনদনা পলেম পম্বোগী মগাইদা পাখং শারেপ ফাবা নিংথোল কাংলোং ফাবা ভাইদুনা থমগ্রে চিংগু খোয়ুম লাইনা।

নোংমা অয়ুক নুমিংনা কোকতোন লোম্বা মতমদা মোইরাং থাইহল্লি তুরেলগী নাম্বী হিদেন খোংবান্দা থোংনাং লাইরেলেম্বী ইবেম্মা খোয়নৌ মতা অনিগা লোয়ননা হৈনমনা চুরবা লৈনমনা হারবা ময়ান শুনা কুংলবা চেংহী শম্বাল-লাং, উতি শমখোং তেংনা লরিংগদা পাখং হেক্তুনহা লায়রংনা লুকায় হি তোংদুনা লু কায়রগা হল্লকপদা ল ইহল্লি তুরেলগী তুথুপ নাম্বী হিদেন খোংলুংদা লাইজ ঈয়াইদা ঈরোইদুনা শাল্লরিবী পুরাগী চুংশি চেংলৌ শক্তুম উক্লবদা পাখং হাইদোক্তুনা চংপা ভুমদে। শজি মিত্তা ভমজবী খোইরুম মীনোক শুমহংপী হুরাগী মিংয়েংদু পাখংগী থম্মোয় হূপ্রকোই হেক্তুনহা লুকাই হি পুংগা চংপা ভমদদুনা তুরেল লৈরাইদা চয়োং হাবুং মরক্তা হি হোনজিল্লগা তোরবান চাংজৌ তম্না কাখংলক্লে। হুরা লাইরেলেম্বী মহাকস্ন ঈরুজবগী লোইবা লৈত্রে, ঈয়োইবগী পেনবা নাইদ্রে, পাখং মাবু লোম্না হুনা য়েংদুনা লৈরে। চিংগুনা পুনগ্রবা লৈপুলনি খোয়ুমনা য়োমখুবা থয়োমনি, উনবমক্তদা লুংশিনখি, য়েংনবমক্তদা পেম্নখি, লুংশি পুক্লিং খোয়দানখি অপাম ইয়াং হৌনখি। পায়মা লৌশিং শিংলবী মীতেক মীয়ৌ থঙলবী বাচাং রাতা হৈরবী খোয়নৌ মতা অমনা হেক্তুনহা য়েংদুনা য়ায়া মপাউ মেন্নকই। "হাদা খোইমু থুাংনৌবা লৈহি কাদা মীহৌবা লমদম কৈদগী পাইরকপা

শকখঙদবা খোইদনো ? খোয়দাবা লৈরাং য়াওরবদি ইচেমলক্কা পাউথংবিরকউ, ইনম্মালক্কা পাউদমবিরকউ নিঙোল চাদা পাউ-দনজগে "। খোয়নৌ মতাগী য়াব্রা মপাউ তারগা লাইরৌলেম্বী ইবেম্মা চিংঙ্, থাংজীং লাইবু চেংনা থাগোন্দুনা শকখঙদবা পাখং মহাক্কা নুংশি লৈপুন ওইজগে, চিংঙ্ নঙনা কুবিয়ু খোয়ুম নঙনা নোংদমম্বিয়ু নুরাগী পুক্রিংদা চপ য়ুংনা লেপখে। হেজুনহা মহাকসু ইকায় থিবা পাখং ওইবনা নুরা মকাদা পুক্রিংগী অরোনবা য়াব্রা হায়নিংবা রাফম কয়াবু হংনিংবা কোলোয় মিংলেনবু হংবা ঙমদনা শিঙেল লৈশক খঙদনা নুংশি ঈখৌ লাংতুনা পায়মা নুংদা ওমচাক্কা য়াংদৌ লম্মখাংদগী হন্না তাখে খল্লুবদা পাখংদি নিংঙমদবা মশা লাংলক্লে। নুরা ওইবীশিংদো কৈরোয় লৈকায়গী মীনোক কিবনা থুনা য়াংনা তুরেলদগী কাখংলে, লাইরৌলেম্বীদি চৎনিং চৎনিংদনা মতাশিংগী মতুং ইনখি। পাখং হেজুনহাসু নুরা মনেম-মচানা চংখিবা মাইকৈদা নুংবংননা য়েংতুনা লৈহৌই।

নুরা পাখং অনিদো মরান মরানয়াইদা য়োরগা তরা চাবা খোয়জংনদ্রে তুবা হিপ্পা খোয়দানদ্রে, রাখলনা লাঙ্গোই চংরে পায়মা নুংদা ওমচাক্করে নুরা মহাক্কা কৈরোই লৈকায়গী মচেম মনেমদা রাখংনিংবা কোঙ্গাই লৈরবসু পলেম পম্বৌ তাখিগদ্রা কিবনা পুক্রিং রাবু কাংথোকপা ঙমদ্রে. খোয়নৌ মতাশিংগা তান্নবদসু পাখংগী অরেপ্পা মপাউ ফংবা ঙমখিদ্রে। পাখং মহাকসু তরা লৈকায় মমান্নবদা শানৌগী কোলোয় মপাউবু হংগদবসু নুরা পাখং অনিগী কাদা লোইয়ং শিংখোং য়াইহনা তৌরেল থাংদা য়েংপগুম য়েংলগদ্রা কিবনা হংমিংবা কোঙ্গাই হংঙমদ্রে। মচেম মনেম কয়াদা রাথংগে খল্লুবসু নিঙোল পোকপা পলেম পম্বৌ অনিনা লান্নর লমজা মচানি খঙখিতুনা নিঙোল মাবু রারক পরে চেংখিতুনা নুরা মাপা উনহনা নুংশি শকখঙ মায়খঙনবা য়াব্রা মপাউ মেন্নবা ফংলোইদ্রা চিংনবনা কেগে কনাদসু খঙহনগে নীংদরে।

অসুম্মা অরাবা ঈপাক্তা তাতুনা রাখল লম্মুকনহনা কোরৌশিংবুম কয়া হৌথ্রে, লোইদাম থাবুম ফাজিল্লক্লে। চিংঙু মাগী নোংদমদগী নোংমা কোরৌ নুমিৎ অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা থোংনাং লাইরৌ-লেম্বীনা খোয়নৌ মতাশিংগা লোয়ননা নুরা খুৎতা য়েদাই পোল্লাং পায়দুনা থাংজীং লাই হরাওবদা শিঙেল লৈচল তন্নবা লৈরাং লৈচন থিংগা থোরকপদু হেঞ্জুনহানা অরাপ্পদা উরে। হেঞ্জুনহানা লৈকায়গী শানান লেংমান্নবা পাথৌ মরূপচা শান্নবা পাখং মাবু হৌরগা নুরাশিংগী হৈনা মতুং লাপতক্না ইরকপদু উথোকখে লাইরৌলেম্বীনা। লৈকায় লান্দনা লৈথিগে থুংক চঙনা লৈহেক্কে খল্লম্বদু পাখং মাগা উননিংবা নুংশি ৱাৱী শাননিংবদগী খোয়নৌ মতা চান্নবীশিংদা লৈকায় লান্না লৈথিরুসি থুংক লান্না লৈহেকল্লুসি শিঙেল লৈচল শুনবা লৈরাং লৈখল য়াম্নবা হায়জরক্লে নুরা থম্বাল মানবী ইবেম্মা। চৎনা চৎনা লম্বীদা নুরা পাখং অনিদো লোম্না লোম্না য়েংনজে, পুক্নিং ৱাদি অরোনবা নুংশি য়াৱা কয়াব ফোংদোক্কে খল্লকই। লৈরাং শাংফম য়েংবদা নিঙোল চম্বুরাশিং অদু অশাংপা লৈ থিদুনা অপাম্বা লৈরাং হেক্লুনা য়েন্দাই থন্নবা হেকলি। থোংনাং লাইরৌলেম্বীদি লৈরাং থিবদা পুক্নিং চঙদে লৈশক ফজবা থিগেন্তু খনদরে, মনাপুংবা লৈরাং পাম্বীগী লৈখোং খাদা চঙদুনা পাখং মপাউ ঙাইজবদু হেঞ্জুনহানা উরদুনা নুরা নাক্তা চঙলক্লে। নুরা পাখং অনিদো নুংশি মিৎয়েং কারন লাক্লুরে য়েংবগী পেনবা নাইনদ্রে, হায়গে খল্লম্বা ৱাফম কাউনখে ফোংদোক্কে নীংকম্বা কয়াস্তু ফোংবা ঙমদ্রে। অসুম্মা নুরা পাখং অনিদো ইকায় মায়থোং নুরক্না নুংশি মিয়েং মিৎচান্ননা ঙহাক লেনরুরগা হেঞ্জুনহানা চঙশিল্লক্লুনা, "ইবেম্মা ঙসি কোরৌ নোংদি শানৌ নঙগী নকাদা পুক্নিং ৱাদি অরোনবা শায়মা মুংগী য়ারাবু ফোং-দোকচনিংববু শানৌ পুক্নিং খঙদবনা হায়দোকম্মি কদায় হায়ঙমদ ঙাংথোকসি লৈতোল কিশি কি পাখং ৱানা খাংলকপা কোয়ৌশিংবুম

"মায়ক্কে"। হেঞ্জুনহাগী ৱাতু তাবদা থোংনাং লাইরোলেম্বী ইবেম্মা ইকায় ইকি তুংওইনা মুরা মায়থোং লুরুক্লা ময়ারা মপাউ মেল্লকই। "মাঞ্জ নওবু লোয়ুম্বা, লৈরাংগী মপোক্লা পোকচবী নিঙোল লাইবকচাউবীনা অপাম কাদা ৱাইথুংজনিংবু চিংঙনা করি তম্বিরিগবা ?" মশানৌ মনেমমচাগী মুংশি ময়ারা মপাউখোলবু তারগা পাখং হেঞ্জুনহাদি নুংঙাইবা ঈপাক্লা তাউরে, নীংজবা পন্দোল লোমলে। "শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী! মুংশি চেংলৌ উবদা পাখং থম্মোয় নুংঙাইবা মুংশিবনা হাল্লুরে শকখঙনা কেন্দো। পামেল উতোন্দা শাংপী লৈনম চাউবী শিঙেল ওইবনা লায়না অদোল তাম্বা পাখংনা লেরাং ওইবী নহাকপু শমু খুৎনা ফংনা হেকচনিংববু পলেম পম্থৌ কিজবনা শিঙেল লৈশক খঙদ্রিবগী মুংশি লনজংফম খঙদনা ময়াংদৌ লম্মুক্লগদ্রা খনজরুবনি"। "খোইমু ওইবা মরমচং অমন ওইবনা মশিঙাং মুজা লাইবকচাউবীগী মুংশি মাম্মরোং য়াবিরোইদ্রা থল্লবদা কিজবনি। পাখংনা পুক্লিং লেপপিরবদি নিঙোল শমায় লৈজরোই। মাঞ্জ নহাক্লা লেঙদবা পামেলগুম মুরা নাঙ্গা লেপপিয়ু, নিঙোল লাইবক চাউবীনা উরি মাগী পান্দম লৌ উতোন লোম্মা য়েৎচগে। ইঙা কুমদা হৈবনা কুমদমলক, ইঙেল কুমথায় হৈবনা কুমথায়রক্লবদা খুমু য়েন্নিংহনমিন্নসি পমেল থক্লা ঙানমিন্নসি। কোরৌ মৈশা ফংলবসু ৱাংবল মৈচাক লাংলবসু পাম্মু নম্মুং লাংগীনি মুংশি নহাক থক্লীনি, নিঙোল শমায় লৈজরোই"। মুরাক্শি মপাউ তারগা পাখং পুক্লিং পোনশবোই, "কোরৌ থক্লা ঙাল্লিবা ময়োইমনাই তাউদল অঙানবা চিংঙ, মানা পলেপ্পসঙু, মুরা নম্মুং লাংগীদমক্তা পাখং শমায় লৈজরোই মাইবী থরায় থাজগে' হায়রক্লে পাখং মাসু।

অম্মুম্মা মুরা পাখং অনিদো অপাম কাদা থুংনসি মুংশি কাদা য়োম্বসি চিংঙ, থাংজিং লাইবু পলেপ্পত্থনা শরি পন্দোল লোম্মরে, পাব্রি পুরি তাক্লরে, লৈত-লায়র তাম্মরে, হায়নিং ৱাবু

হায়নরে, খণ্ডনিং 'রাবু খণ্ডনরে, পুকচেল তেংনা ফোংদোক্লরে, য়াব্রা ফিগৈ শেংনরে। ভসিদগী হৌনা কোরৌ হুমনি শুবা লমদা থাগী থাংজ নুমিত্তা মালেম লৈনা মমশিল্লকপা মীশক খণ্ডনদ্রবা মতমদা কেগে কনা খণ্ডহন্দ মোইরাং কনা উহন্দনা নিঙোলগী মোংবা ইরানয়াই, পন্থৌনা শেমজকা পলেম্না য়াজকা, মিংকী থোংজিনকা, মোমনুগী থাঙ্গ নিঙোলকাদা নুংশি রারী শামিন্নসি নিঙোননা নাকল থোঙবু হাংজরমগে হায়রক্লে নুরাদো মশাবি মরানমচাগী মফমদা। অসুম্না নুরা পাখং অনিনা নুংশি পুক্মেন পাওমেন্নরবদা খোয়নৌ মতাশিংসু নিঙোল নাক্তা চঙলকলে। কোরৌহনবনা কোকতোন লোয়কপদা নিঙোল চন্নুরা ময়ামদো য়েন্দাই থন্না লৈহেক্ত্তনা পোল্লাং চোন্না লৈ হাপ্রূনা মযুম ময়ুমদা হংক্লে। পাখং হেঙুনহাসু মমান্নবগা লোয়ননা মোংবা মরানয়াই পাংপ্রে।

পাখং হেঙুনহাগা নুরা লাইরোলেম্বীগা অপাম কাদা রায় থুংনসি নুংশি কাদা য়োনসি শরি রাশক পন্দোল লোঃপ্রে হায়বা পাউ অসি খোয়নৌ মতাশিংনা তমহুনা নুরা পোকপী পলেন খোইজুহোংবীনা তারবদা মমোম লংংলেন লাইরোলেম্বীদা থেমহুনা নৌহুনা রায়কপা হৌরকলে। "ইমাগী লাংলেন চরৈন্নু। করি মতৌনো নহাক্লা তৌরিবসিদি ইমাদি কিবনা তুজুংলে। পায়মা লিংজেন খাবা পংৌনা কদ্রিগুম্বা তাগ্রবদি ইমোম নঙবু কৈরোয় লৈকায়গী খোয়নৌ নমান্নবীশিংগী মমাঙদা চৈরাক চৈথেং পীরক্লবদি ইমা য়েংবা ঙম্মোই। লায়র অদোল তাঘা খমলৌ অয়েং চেংবা শেংতবনা খমোংনরবা চাদবনা ঙাংজেংনরবা পুংপাং শুদবা কেগে লমজা মচাদা ইমোম্না করম্না য়াঙ্গোইগদৌরিবনো? নথক্তা নবুং শাংতবা নখাদা ননাও নৈত্রবসু অমত্তা পোকপী ইমোম নঙগী-দমক্তা পলেম পন্থৌ ওইবা ঐথোয় অনিনা চুং ঙইনা লেপলিঙৈদা ইমোমগী করি রাংকনি। শেংকে ননীং তম চাগে নখা ভন্না

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পন্থৌ থাংকোক চাজনদবগুম হিক্লা হাইনা পাল্লিবী নহাক্লা মাশা শারুং তেক্লবী চেক্লাগুম লায়র কোন্দা করম্না চাক্তারুগদৌরিবনো? ইমোমগী পুক্লিং খোয়দানা খুয়া তুশিংনা পাল্লুগদবা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী অঙম অথৌ কয়াগী মপারি চেংলৌ শক্তা শকহেনবা পাখং কয়া লৈরি, ইমোম করিগী খোয়জংদবগে পায়মা পুক্লিং লমফাংনবগে?" পলেমগী য়াবা তারগা মোমপু লাইবক চাউবীদো হোয় মায় পাউথুম পীবদি ঙমজনা পায়মা নুংদা ফুমলিবা নুংশি মৈচাকপু মুংথংলগা খায়না মৈশা লাংলগদ্রা খল্লুবদা নুরা থম্মোয় পুবা ঙম্ক্রুবোই চৌংনুং লাইজ ঈফুংথোক খিঙেল লাইজ ঈনমখাইগুম নুরা হিক্লা হিক্লা কপলক্লে। "পলেম ইমা অপোকপী, নমোম লাইবক চাউবীবু পন্থৌগী য়াখং ইনদে খনবিনু, লমকেং লমহেনবীনিসু হায়বিনু। হন্দক্কী মপোক লাংওন অসিমদি অপাম কাদা থুংনসি নুংশি কাদা য়োনসি চিংঙু থাংজীং লাইবু পলেপ্লা পাখং মাগা শরি পন্দোল লেংহুখ্রে। কেগে লায়র অদোল তাম্নবা পাখং মঙোন্দা য়াঙ্গোইবদা পলেম পন্থৌগী নীংবা থুংদ্রবসু অমতা পোকপী নমোম ঐদি রায় কৌবদা হায়জরোই, লৈতে কৌবদা শোনজরোই চাদে থক্তে খনজরোই শেংতে লৈতে নীংজরোই লেপচরেনে নমোয়া।" মমোমগী মতৌ উরগা য়াবা মপাউ তারগা পলেম খোইজুহোংবীদো হোয় মায় হায়দনা ইমুংদা চঙখি। রাংলেন মতম অসিদা নিংথৌগী থৌদ্মা পুরিবা কেগে লোইশঙ-মচানা লৈকায় থুংনা চংতুনা লৈবাক্কী পাউজেন লাউরকই।

"কেগে খঙদবা খঙহৌরো মোইরাং তান্দবা তাহৌরো,
ঙসি কোরৌ মুমিং লমদা থাগী থাংজ
মোইরাং কুরাক লমদাইবা থুনদিনবিগী লমদমদা
লাই শরোই হুমকুমাপল খুনদিম্নগদৌরি
চৌংখোং লৈমা লাংবানবী শাবল য়াংবী খক্তা কিফৌবী,

তুরেল চাংজো লৈরায়দা খোঙথিনবী লৈকু লৈরক্তা য়াহিপ্পী,
লমহাং তুহাংদা লমথোকপী লমলেমা তরেৎস্থু খুম্থোক্কদৌরি,
উমং লাই মাপলস্থু য়াথোক্কদৌরি
মায়কৈ ঙাকপা লাইয়ামস্থু য়াতাগদৌরি
শজিক থাবা মপুরোই তাবুরোই পূয়মক্তা মখুত্তা
চৈকক পায়হুনা শীংথাগদৌরি ; থাংজৌং লাইনা শীংশংকদৌরি
তিলমু ফত্তবা কল্লি, লাইমু ফত্তবা ঙাওই,
চিংঙু তিংকোক্কদৌরি, খোযুম লাইকোক্কদৌরি
খানা চাবা মরম চামা হিংনা চাবা মরম চামা,
চামা চামনা খুজিং ওইহুনা য়াঙম মচিঙ্গাক হুনগদৌরি,
কুমজা চাকথাক পীগদৌরি ঈ খুদেং লাই খুদেং ঈরাং ঈরোগদৌরি
ঙসি অহীং তা লোৗদগী হয়েংগী ইমুং ঙান্দি ফাওবা
তেকপী ওকস্থু ওককোন্দগী হেন্তোকফদে ।
কাইরৈ য়েনস্থু য়েনবোন্দগী হোইদেকেফদে,
কাওরেল যণস্থু যণগোন্দগী থাদোকফদে
নমু তাইবং মীস্থু থরাউ থোঙ্গাল রাংমা লানফদে
খুঙ্গং লৈকায় কোয়ফদে, খুল্লক লৈরক চংফদে
তাদবস্থু তাহৌরো, খঙদবস্থু খঙহৌরো ।"

অস্থুয়া লাউরলাউরহুনা কেগে লোইশঙ মচানা লৈকায় থুংনা চংতুনা খুল্লক লৈরক শমহুনা খুঙ্গং লাম্না খুম্বক খুনথা চিংথদনা মীয়াম তাম্নবা পাউচেল্লকলে ।

লমদা থাগী থাংজ নুমিৎকী তায়ুক্ক য়েন্দা অঙনবদা 'পাখং হেজুনহাদি মখুৎস শিংজং পায়হুনা লোইবী চীংদা কারগা পামেল শীং য়ানবা চংশিংৈঙদা নিংথৌগী থৌদাপুবা লোইশঙমচাশিংনা কৈরোয় লৈকায় থুংনা চেনবা পাউজেলহু তাহৌজে । পলেম মমা ইবেম্মা থোইদোম লুপ্রাবীনা মৈদিঙ্গোল সনা কৈথেন্দা পামেল শিংজা য়োল্লগা কৈবাকী পাউজেল তাবদা থুনা য়াঙমা মরানয়াই

পাংলকই। মপারি হেজুনহাদি হল্লকুমপ্রবদা মীপাই চাউরী পলেমদো খরাই খোঙ্গাল খোক্তুনা মপারি লাকপরা য়েংজে। লৈবাক্কী পাউজেল তাবদা কেগে অচং অওং পূম্নমক মাগী মাগী শিংহা শু-নোংরগা ময়ুমদা ঙন্না ঙন্না হন্নরক্লে। কৈরোয় লৈকায়গী মুপী হনুবী কয়ানা য়ুংথোং থুংনা চত্তুনা চেংকুদগী তরা চেংকোক চমলৌ য়েনশাং মনা মশীং হিংনা চাবা য়াবা থোংনা চাবা য়াবা কয়াবু খায়রগা অমাইবা অমাইবীগা লোয়ননা লাইরম তিম্রম কনবা লম, তীলমু লাইমু থুনদিনফমদা কুমজাগী চাবাবা লাকপা তীলমু লাইমু ফত্তবা খিবিক্কী চিংঙু চালুক থাজনা পোংলম চৈরম শুনা হাপ্তুনা হৈরাং লৈরাং কংতুনা য়াঙম মচিঙ্গাক পীরগা নমু তাইবং ঐখোয়গী য়াইক মুংঙাই-ননবা চিংঙু ভিংকোক্লবা খোয়ুম লাইকোক্লবা লৈবাক মরা চেৎনবা লৈমা মিংথৌ পুন্সি মুংশাংনবা কেগে ঙাহোং চাক-হোংনবা মোইরাং লৈবাক খুনজাউ লৈচাউনবা অরাং অপা লৈতবা পান্নবা তীল ফত্তবা মঙাখরো লাই ফত্তবা লোংখরো মীগা মীগা মায়োক্লগে লাইগা লাইগা ওনশিন্নৌ খোয়ুম লাইস্থু মীনম চাবিগনু তাইবং ইতুং ইনবিরক্নু খাংজ তরেংকী থাঙ অসিনা মালেম লৈমি চিংলিবসি চিংঙু হেনজিনবিরক্নু খোয়ুম লানশিনবিরক্নু হা হুম হা হুম হাহুম হায়না শোন্দুনা থাঙনা লৈমি তরেং চিংতুনা তাইরেল পুংফাই মনা হাইদোক্তুনা মীয়াম পুম্নমক থুক্লহ্লে। চিংঙুনা পেনবিরে খোয়ুমনা খৌজানবিরে হায়বগী হয়াউ মুংঙাই ঈশৈ শক্তুনা জগোয় শারগা তুং হন্না য়েংনদনা মীয়ামদো ময়ুম ময়ুমদা হন্নখি। কোরৌনা নারল রাইয়কপা মালেম্না মমশিল্লকপদা হেজুনহাদি পামেল উজাউ অমা কোকথোং নাহুনা মরানয়াইদা হল্লকই। মশানৌ মনেম্মচাগা নুংশি রারী শাম্নসি হায়নবা মুমিৎনি খন্দুনা অবাবা লৈতন্না পোখাবা নাইদনা তরা চাগনি থকনি কাউতুনা রাখল মুংঙাইনা

ঈশ ঙাংদুনা লাক্লিবা মপারিগী মতৌ উরগা রাজরবী পলেম মমাদো হরাওহৈজে। "পারি ইবুঙো! ঙসি কোয়ৌ গুমিং লমদা থাগী থাংজসে তৌলম্ম ফত্তবা কল্লি, লাইমু ফত্তবা কল্লি লাইয়াম খুনদি.গদৌবি হায়না নিংথৌগী থৌপুবা মনাইশিংনা লৈকায় থুংনা পাউচেল্লি। ঙসি ইনুংয়াইদগী হয়েং ইনুং ঙান্দ্রি ফাওবা নমু তাংবং কনাগুম থরাই থোংগাল লানফদে, খুঙ্গং লেকায় লান-গনু হায়রি"। মমাগী বাত্থ তাবদা হেঞ্জুনহা হায়দোকপা য়াবা বাফম থোক্তবনা অবাবা রাখলনা লুংদা ফুম মায়থোং লাংশিন্না মরু লুক্তুনা লৈরে। মশানৌ মনেম্মচানা থাঙ্গ নিঙোল কাদা মাপু খৌরাংনা ঙাইরমগনি হায়নখিবা শোইরবদি নুরা মানা পুকলো পারৌখিগনি থল্লুবদা হায়ফম তেংফম থঙত্রে রাখলনা লম্মুক্লরে। মপারি মতৌ উবদা পলেম ঙন্তবী মহাকন্না তুংশা থীরকই। "পাবি ইবুঙো নুংশিবা! রাখল লমফাংনগনু। অয়ুক চানঙল চারগা চৌংদা কাদুনা শীংচল্লুবা রারবিগনি ইমাগা তরা চাকরম্পি' হায়না পলেম মমানা মপারিবু অঙাং নাউয়াগী পান্দ.গুম কৌশিল্লগা মমা মচা তরা চামিন্নখি। হেঞ্জুনহাদি অবাবা রাখলনা নুংবনদুনা তরা চাবা খোইজংদে। মবুক থল্লা তরা চানা ঙমদনা শুমাংদা থোক্তুনা মশানৌ মনেম্মচানা লেবা মায়কদা ঙন্দুনা "শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী, নুরা নঙদি থাঙ্গ নিঙোল কাদা পাখং ঐবু বানা ঙাইরিনিদকো। পলেম মরাখং হিকতোক্তুনা পাখং খোংদোই চল্লকপা ঙমদ্রে, শানৌ রারৌগনুকো।" অন্থুম্মা পাখংগী মপুক্লিংদা মঙল মঙল থন্দুনা লৈরিঙদা পলেম মমা থোরক্তুনা মপারিবু কৌশিল্লগা ফম্মুংদা হিপহল্লে, কাংখল থাবিদুনা কৈজুশ শুপচিনবিদুনা মপারিবু খোয়েন য়াতানবা হোংনরক্লে। "চিংঙু খোয়ুম লাইও! পারি লাইবক চাউবনু খোয়ুম নঙনা থৌজানবিয়ু। চিংঙু ফত্তবনা শীংথারবন্থু থাংজীং নঙনা শীংশংপিয়ু, পাগী পারেপ ফংনরা পুগী পুরেপ

যৌনবা চিংঙু নশাইকোন্দা চেৎনা চান। কোনশিনবিয়ু" হায়না মপারি লায়রবগীদমক মতম পুম্নমক্তা লাইনিংজবী রাজরবী পলেম মমাদা চিংঙু থাংজীং লাইবু চেৎনা থগোম্নগা ফমুংদা কাথৎতুনা হিপখি।

ইন্নুং মমৈ রায়রক্লবা ফাওবা মশাবি হেজুনহানা লাক্লবদা থাঙ নিঙোল কাদা ভুম না পাথং লাকপা ঙাইজরিবী থোংনাং লাইরৌলেম্বী ইবেম্মা রাখন লংজিন পুল্লকলে। মরোই তাউবা হুইনা থোংবা হুইখোল তাবদা নাকল থোংবু হাংল। মশাবি লাকপরা য়েংজে। নুমিং অসিদি কেগে পাউচেল কনবনা য়াংলো লম্বী লমশাং পূন্নমক নম্ মীখোল তাখিদে ইচিক ইহুল তম উন রাইমুক চিকখ্রে। রারক চেৎপী পলেম মমাবু কিবনা মশাবিনা লাক্লবনি খনখিদে নুরাগী রাখলদা। হায়নখিবা রাবু কাউথোক্লুনা পূকচেল লেপ্তুনা খোইমুগুম তমব ওইবা মরমচং পাথং ওইবনা মশিনশাং হিদেন হোংনা তাহুনা পানা লমলান চাথিননা নুরা ঐবু কাউবনি হুরাগী পায়মা মুংদা মঙল মওল থগ্রকলে। চমলৌ মথেল লাংহুনা তরা লুকোই শেমহুনা নিঙোল কাদা মশাবি মনানমচাগা তরা চামিন্নগনি খন্দুনা মশাবি মাবু ঙাইজরুবা নুরা ইনেম্মচাদো ফমুং য়াইরি পানবথক অন্নাবনা পন্দোল লোম্নবোই মিৎলু নাপোম অনিদো থিংঙমদবা পিরাংনা থুমহৎলে হিক্লা হিক্লা কপলক্লে।

হেজুনহাদি পলেম মমাবু কিবনে নুরা মনেম্মচাবু উননীংবনে থোহু নুং অনিগী মরক্তা হা ওইরে, হায়ফম তৌফম খঙদনা খোমলেন য়াতাবা য়াদনা রানা থাঙলিবহু উবদা মমানা খোমলেন মঙলানচান্দা থোকখিবা ফত্তবা মঙবু পাউদমহুনা মপারি পূক্লিং ফাহুনা খোমলেন তুমথুন তান্নবা হোৎনরি। রাজরবী মমাগী রাহু তারগা হেজুনহা মনা থাদোক্লুনা চৎপা হুমদ্রে, খোমলেন তুমথুল তাল্লগে হেক খল্লুবগা খঙহৌদনা শাংনা য়াতাগ্রে।

মপারি হেঞ্জুনহানা নিংঙাইবা লৈতনা খোমলেন য়াতাখ্রবদা লাইবক চাউবী পলেমসু পায়মা। মুংদা চিংনবা লৈতনা য়াতাজরে।

থাঙ্গ নিঙোল কাদা নুরা মানা য়াখিবা লায়রা শংদনা পাখং মাদা তুমলিবত্থ তাইবং কনানা উদ্রকসু অমমবদা থৌদাবা অঙানবদা য়ায়েনবা চিংঙু থাংজীং লাইগী মশানৌ তালোয় অতোপ্পী অয়াং লৈমা পাম্বোইবীনা উবিরত্থনা নুরা পাখং তনিগী অরাবা কোকহনগে খোয়ুম তেংবাংবিগে খল্লক্লে। চিংঙু মানা শিনখিবা খোয়ুম মানা তমখিববু নমু তাইবং কনানা খঙবা উবা ঙমগনি। য়াংলেন মতম হৌখিনি মতাংগুম কেগে পোকপা শোরারেন মোইরাং পোকপা লাইনিংথৌ থাংজীং কোন্দুম য়াইমরু, শম্বো পুংমায় লেপ্পা খোয়ুম য়াইবীরেন শিদবা মপুনা মশানৌ পাম্বোইবীগী উনবী পূক্লিংবু উবিত্থনা "ইশানৌ তম্ফা য়াঙংলোন লায়র শংদা মশানৌ মনেম্মচাবু উননীংবনা অরা কোকথোং পুরিবা হেঞ্জুনহাদি য়ারকচেংপী পলেম কিবনা নিংঙাইবা লৈতনা খোমলেন তুমখুল তানখে। পাখং মাগীদমক্তা থাঙ্গ নিঙোল কাদা নুরা মানা য়ারিংসে ইশানৌ নঙসু উররিগনি। ইন্নং ঙাংলৌ য়ায়রকপা তাইবং ইচিক হুল্লকপদা ইশানৌ নঙনা লংজিং ওইত্থনা নুরা পাখং উন্নহল্লু লায়র শঙগী শন্দংখাদা শক্তিককুম ঙাল্লরো থবাগুম খোকলুরো হায়না মচেম কোম্বরেল লৈমা তাহন্দনা চিংঙু থৌদারক্লে খোয়ুম ময়াথং পীরক্লে। চিংঙু ময়াথং তুংইল্লা পাম্বোইবীনা লায়র শঙগী শন্দংখাদা শক্তিককুম ঙাংরে থবাগুম হেল্লরে খোমলেন তুমখুল তাল্লিবা পাখ মাগী নাপ্পদা নাশোল পিক্লা য়াকায়রকলে, পলেম মম্না তাহন্দনা। "ইনুং মমৈ য়ায়খে নোংয়াই চবুক লোমখে ইচিক ইহুল তম্লক্লে শক্তিক মশোং কাংলকলে থবা মৈকিনরক্লে, লোইবী খিংবাই চেক্লাসু য়াকায়রে, তাউথ্রা চিঙ্গোয় অঙনবা লাংলাগী দংক্লিন তিংলকলে, মহিংগী য়েনবা ত্তোকঙাংবা কাইরৈ য়েনবোল

মুংদগী ক্রে ক্রেক ক্রে খোংলকলে। থাঙ্গ নিঙোল কাদা মুরা ননেম্মচানা অহীং মীশেল শাঙহুনা পাখং নঙবু ঙাইরিবসি কাউরম্রা নহাক্তি। অকাউ য়াখল থাদোক্লো নীংনবা পুক্লিং থৌদারো, চিংঙুনা শেমথ্রবা লৈপুননি, খোয়ুম্না ময়োমথ্রবা খময়োমনি মুংশি পরৈ হনফরোই অপাম লংলা তংফরোই।" অস্নুম্না পাম্বোইবীগী ময়াকায়রোল অসি তাবদা নিংঙাইদনা খোমলেন ময়াতারিবা হেঙ্গু-নহাদো মীকপ থংথোক থোরকলে। মীকপ হেক থোকপগা পলেম মমানা তুমথবগী নাখোকপা মখোল তাবদা হেঙ্গুনহাদো নাশোল পিক্লা হৌগৎলগা লুখুমদা ময়াল্লিবা কাংজে কাংহু হিংজন লুই থাদববু পায়রগা চারাগী পৌরোল শৎতুনা থোংজি নাতে কাংহুনা লোন্না লায়র শঙদগী থোরক্লে। শুমাং য়োবদা ইমুং মমৈ য়ায়রকপগী ইচিক লুল্লকপা মৎং মতৌ উবদা হেঙ্গুনহানা পলেম মমাবু লাপ্না খুরুম্নগা কাংজৈ কাংহু পায়দুনা থরাই থোঙ্গাল লাল্লক্লে। মশানৌ মনেম্মচাগী মরানয়াই পাংনা হেঙ্গুনহানা চেন্না চেন্না লাকপনা চিংঙু মাজিংগী খুবম লমলেন খুনদিনবীগী লমদম য়োরে। লমদা থাগী অহানবা থাংজ মুমিং ওইবনা খুনদিনবীগী লমলোং অহুম ফাংবদা লাইয়াম তিঙ্গদুনা লৈরিবহু লাইওক্লরুরে। কুমসি কুমজা অসিগী লাইয়াম্না মানা মান। কোনবা লমগী শীংকক থেক্তুনা শীংথাবা শীংকক খল্লগা শীংশৎপা লোইরহুনা চাকয়েন শায়েননহুনা চাগদবগী কোয়না ফমহুনা লৈরিবহু হেঙ্গুনহাগী মমিংতা কৈরোয় লৈকায়গী শামান লেংমান্নবা মরুপচাশিংনা অহল-লম্মন খঙহন্দনা তরা চাকচা হৈজামিন্নবা ওইনা উরুরে। মাস্থ মমান্নবগী মরক্তা য়াংগে খল্লহুনা থওই বাওই শাদনা লাইয়ামগী মনাক্তা চঙলক্লে। হেঙ্গুনহাদি লাইয়ামনা ফমলিবা লাইরুপকী মতাই ওইরপনা চাকয়েনফমদা ফমলরে। লাই পাথংশিংদা লাইয়ামগী শা য়েল্ল-কপদা হেঙ্গুনহাগী চাকলুক্তা নমু তাইবং মীগী খুংশা য়াওবা য়ীখুং অমা থুংঙে। মহু উবদা হেঙ্গুনহা ঙকপদা থেংথ্রহুনা শা য়েল্লিবা

লাই পাখং, মনাক্তা ফমলিব। লাইয়ামশিং অহুদা মুন্না যেংই। লাইয়াম্না মালেম লৈদা মখোং থাদবা অহাংবা মালংদা তাউহুনা লৈবত্ উবদা পাখং মাদি তু চুংলে কিহুনা মশম য়ুংবদা নত্তনা খোংদোন য়েৌনা ফাওরবোই, হকচাং শিনবা থুংনা তু চুংলে। ঈরম তরেংনা ঈতাফম খেংলন মাপলনা ঈরিফম পাখং উনবী পিবুক নুংদো গ্রু গ্র, খোংলকলে, য়াংলেন হুমাং কারে, কিবনা থংখায় তনিক তনিকলে, নিংশা শোর খোয়দাদ্রে, নিংদোন নেগুম চেনগানবে নিপাই থরক হুন্রকলে পায়মা রাখল খোক্তরে। রাজরবী পলেম মনাগী মপাউখোল খোমলেন মণ্ডগী মণ্ডপাউ মথং মথং নীংশিংলক্লে হেঞ্জুনাদে। মশানো মনেম্মচা উদনা কাংঙু-থক্তা চিংঙু, লাইয়ামগী থুণ্ডা য়াইবী থরায় থাবা তারবরা থল্লুবদা হেঞ্জুনহা লোফম থঙদনা ভাহাক রাখল লংজিল পুল্লুরগা নোংমা পোকপা মচানা নিনিদা শিবা হৌনদে ঙনলে লাইয়ামগী মথুত্তগী নাম্থোকলদো ঙমদ্রে লাইয়ামগা শাথেংনরগে থল্লকলে। পলেন মমাগী নাক্তা হনশিরা মশানো ইনেম্মচাগী নাক্তা য়েৌশিরা ভাহাক রাখল থল্লুরগা মশানোগী নাক য়োৌরগে থল্লহুনা শেংলিবা মখিত্ত তাখৎলগা কাংজে কাংহু পায়হুনা নুংশা শোর ফুইনা হোন্দুনা মশানো মনেম্মচাগী মরান্নয়াই তান্না চেল্লকলে। লাইয়ামগী মনাক্তা ফমহুনা লৈরম্বা হেঞ্জুনহানা লাইগী মরক শমলগা চোংহুনা চেন-খিবত্ত উবদা লাইয়াম পুন্নমক থংহুনা হৌগংনরে। করম্বা নমু তাইবং মীনো, লাইয়াম ঐখোয়না চাকয়েন শায়েন্দুনা তরা চাক চান্নবু থুগায়গে লাক্লিবা কেগে মচা লমকেৎপা কনানো মোইরাং লমহেনমা মচা লৈরম্মু হুয়েল লান ওইনসি য়াওরো শাওইনসি হায়নহুনা পায়না লিংজেল থারবা লাইয়াম্না হেঞ্জুনহাগী মতুংদা তান্নরকলে। লাইয়ামনা মতুংদা তান্নরকলে থঙলহুনা থৌনা ফরবা শিবা কিদবা হেঞ্জুনহাদি মান। পায়রিবা কাংজে কাংহু অহু হাইর হাইরহুনা মশানো মনেম্মচাগী মরান্নয়াই তান্না

খোংকাপ লাউনা লাউনা থাংহুনা চেল্লকই। লাইয়াম্মা তান-শিল্লকপা হেঞ্জিলকহুনা পাখং চেনবান্নারক্লে, শিঙ্ঘরকপা হুমাংনো ঈরুজবগুম মশা পুন্নমক পুমচোং চোংলকলে। হেঞ্জুনহাগী শামা মপাঙ্গল ময়েং তাশিল্লকপা উবদা লাইয়াম্মা হেঞ্জিল্লকহুনা মাবু পল্লোন শানা কোয়শিল্লে। য়াওরো শাদানবা মীয়াম্মা লাঙ্গোই চনহুনা কোয়শিল্লবা শজি মচানা চেনফম চোংফম থঙদহনা চেন্না চোংনা মায়কৈ ককণ্ডাউনহুনা লৈবগুম মরায়বক থীরগা লনজা মচা হেঞ্জুনহাদো লাইয়াম্মা পলোন শানা কোয়শিনখিবদা চেন-ফম লৈরক্রবদা মপুংনা পায়রিবা কাংজৈ কাংহ অহু হাইর হাইরহুনা পংমুংদা কোয়না চেন্দুনা লৈরে। চেনফম লম্বী উরক্লবা রাখল লম্মুক্লরক্লবদা লায়র শঙদা য়াতাহনা খোমলেন ভুমথুন তান্দুনা লৈহৌরিবী পলেম মমা লায়রবীবু কৌহনা হেঞ্জুনহা কপলক্লে! “পলেম ইমা ইবেম্মা! নপারি লমজানা পলেম নয়াথং হিকোহনা থরাই থোঙ্গাল লাল্লকপদি য়ামজেন লাইবক থীবা নপারিদি শাদানবগী লাংদা থুরবা য়াওরো শাগুম খোয়ুম ফঙবা লাইয়ামগী মপুংতা নপারি লমজাদি পলেমগী অরাবা শরুক য়াঙমদনা খোয়াং লম্মন শিংঙমদনা য়াইবী থরায় থাও তম-থ্রবোইদো। নপারি ঐনা খমহুং শারা তান অমলগী য়াইথোং কুমথ্রগা পলেম নহাক্লা মচা কায়নরবী ষণবীগী মতোংগুম কেগে খুংক কোয়না চেন্দূনা নপারি ঐবু থিরনিদবো। পলেম নহাকী অরাবা শরুক য়াবিগদবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নপারি ঐ নঙনা কনাস্থ লৈতেদো। মরিংগী লোইবী পায়োদা হৌবা চংবী লারাক তোন্দম্বা লাফৈ পাকপা লানা মালং চৈথেং ফংবদা চংবী লারাক শেংপগুম ইমা ইচা শেংনো তমখ্রবোইদকো।” মাগীনি হন্না য়েংবদা কনাস্থ উরক্লবদা খুংলায়না পানবা য়াওরো শাগুম হেঞ্জুনহা শিবা কিরক্লবদা মশানো মনেম্মচাগী মনাক য়োবা ঙমত্রা লাইবক চাং য়েংগে থল্লহনা চিংঙু লাইবু চেংনা থাগোলরগা

মখুংতা পায়রিবা কাংজৈ অতু হাইর হাইরহুন' লাইয়াম তান-খায়রগা চেন্নবা লম্বী থিরকলে। কাংজৈ কাংহু হিংজন হুই থাদবহু কিবদগী লাইয়াম্না হন্দোক্লরকপদা হেঞ্জুনহানা অহাংবা য়েংলগা কাংজৈ কাংহু হাইর হাইরহুনা অমুক চেল্লকলে। অহীং তাংলৌ অথেংবা তাইবং ইচিক হুন্নকপদা মশানৌ থোংনাং লাইরৌ-লেম্বীবু কৌর কৌর চেল্লকই। "শানৌ ইনেম্মচা হুংশিবী, থোংনাং লাইরৌলেম্বী নহাকপু খোমলেন ভুমখুন তান্নবা? শানৌ নগাইদা পাখং খোংদোই হুল্লকপদা য়ানজেম লাইবক থীবনা কেগে য়াংদৌ লম্মখাংদা চিংগু ফগুনা খোয়ুম মীনুংশি খঙদনা লাই-য়ামগা থেংনহুনা নশাবী ঐদি চিংগু মায়োক্লরে খোয়ুম লাই-থক্লরে হুয়েল লাম্বেংনরে। পাখংগী য়াম্না ইপাংখোল তারবদি শানৌ য়াংল্লো খোমলেন মীকপ থোকলো। নয়ুম মাঙ্গোল খঙোংলাং পম্বোগী শুমাং মথৌবোমদা ইহুগী মেরা পায়হুনা নশাবী ঐবু একলো খোংহাই হুনা থোরকউ।" অতুম্না হেঞ্জুনহানা কৌর কৌরহুনা চেল্লকপনা মশানৌ থোংনাং লাইবৌলেম্বগী খরাই থোঙ্গাল য়ৌশিল্লকলে। খরাই থোঙ্গাল লানশিনগ্রবদি হেঞ্জুনহাগী য়াইবী থরায় লৌবা ঙংহৌদবা তারে খন্দুনা লাইয়াম্না মতুংদা তান্না তান্ননা রা খন্নবা হৌরকলে। চেনবম্মু লেপতে, তান্নবম্মু তোক্তে অননা অমবু লাকচবা হেঞ্জিন্নবা ঙম্মদে। মথোং য়াংবা লাইপাখং খরনা চেনখংখিহুনা খোইজুহোংবগী কোম্বোং লাই ভম্বগা লৌতুমরে, হেঞ্জুনহা ফাদবা য়াদে খংরে। কোম্বোং লাইনে শম্বোং লাইনে অনিনা কোম্বোং ঙাকলে, লাই পাখং খরনা থোঙ্গাল রাংমদা লুমহুনা লৈরে। অতুম্না লাইয়াম্না শরৌ শিন্নহুনা পাখং মাবু হাংনবা হোংনরক্লে। থাঙ্গ নিঙোল কাদা পাখং মাবু ঙাইজরিবী মশানৌ মনেম্মচা লাইরৌ লেম্বীদি লম-লৈমা তরেংনা নাউশুমহুনা থমলে, খোমলেন শাংনা য়াতাখিবনা মশাবি মমানমচানা খুংলাম তোয়না কৌবহু তহন্দরে। শামা

মপাঙ্গল চোকথরবা রাবনা হুমাং ঈরিক কারবা কিবনা নিংদোল চোংলবা পাখংনা কাংজে কাংহু হাইরগা রাংনা খারিবা খরায় থোঙ্গান অহু রাংমা লান্না চোংলকপদা কোম্বোং ল্মইনা কনখিবনা পাখংগী কাংজে কাংহু অহু কোম্বোংদা পন্দুনা লৈপাক্তা তারে, খরায় থোঙ্গাল রাংমদা লুম্লিবা লাই পাখংশিংনা কাংজে খুম্রে। কাংজে কাংহু য়াওদ্রবদা পাখং পাঙ্গল থোক্তরে, লাইয়াম্না লাকচরক্লে লুতুংগী শম্নাং শমদোন পায়গদবগী লায়কপদা মকোক্তা য়েংলিবা কোকয়েং মুম্রে। লাইয়াম্না মকোক্কী কোকয়েং ফংখ্রদা হেঞ্জুনহা শিরবম্ব চঙলম্ব লাইবক চাং যেংগে খল্লহুনা মাঙ্গোন্দা চোংখংকে নীংবগা লাইয়াম্না লুতুংগী শমদোন পায়রগা লাক্তুনা চিংথবদা দারি বাবা ঙংদনা চুরি ইচুম তাফমদা মকোক মখা ওন্না লোংনা তারে। লাইয়াম্না চেনশিল্লক্তুনা মবুক্তা ফংলে, মখৌবি মেংলে, হেঞ্জুনহা তৌফম খঙদনা লৈরিঙৈদা রাংব্রেন খানা চাউবনা চেংথোরক্তুনা হেঞ্জুনহাগী য়াইবী মথ যম মঙা পুরগা লাইয়ামগা লোয়ননা হনখি।

লাইয়াম্না হেঞ্জুনহাগী য়াইবী থরায় লৌখ্রবদা অয়াং নৈমা পাম্বোইবী ইবেম্মা ভুমিন্না লেথোকপা ঙমদ্রবোই খোয়েন ভুমখুল তাল্লিবী মুরা খোংনাং লাইরৌলেম্বীগী খোয়েন মঙলানচান্দা মঙফাওনবিরক্লে। "হাদা খোয়নৌ চান্নবী ইতারোই নঙদি পলেম পম্বোগী মগাই থঙ্গ নিঙেল কাদা নিংঙাইবা লৈতনা খোয়েন ভুমগন তাল্লি। নশাবি থংলেন মাঙদি শানৌগী য়ারা ভুংইন্না অহীং তাংলৌ অথেঙবা তাইবং ইচিক হুনবদা শানৌ নঙবু উননিংবদগী মুরাগী নগাইদা লাকপদা য়াংদৌ লম্মথাংদা চিংঙ্গু ফক্তবা থেংনহুনা মুয়া মৌংবা নরানয়াই পম্বোগী চুরিইচুম তাফমদা মালেম থক্তা লোংনা তাহুনা নম্বুংলাংগীদমক্তা য়াইবা মঙলিবসে মুরা নঙদি খঙদ্রবোই। চারগী পৌরোন শং থোংজি নাতে কাঙহুনা পলেম পম্বো খঙহন্দনা চেক্লা চাগুম

চিন্দিম্না পোম্বী চাগুম চিল্লোক্লা নুংশি য়াম্না নপাউ মেম্নজহৌ ৈহনা খোঙ্গুল লিজহৌ। অপাম কাদা থুংনশি নুংশি কাদা য়েৌনসি হায়না চিংগু লাইবু পলেপ্লতুনা শরি পন্দোল লোম্নখিবা শরি রাশক ঙাক্লরো মপোক লাংওন খুদিংদা নুংশি শাইওন খোংদামিন্নবা।'' পান্থোইবীনা নমু তাইবং মীগী মশক লোরগা নুরাগী মঙলানচান্দা মঙফাওনরক্লবদা থোংনা লাইরৌলেম্বী ইবেম্মা মীকপ থোরক্লুনা নুংশা থীনা হৌগংলবলে। চারগী পোরোল শংতুনা থে ঙলোন হাংদোক্লুনা মপাল থোরক্লগা য়েংবদা চুরি ইতুম তাফমদা মশানি হেঞ্জুনহানা লোংনা তাতুনা য়াইবী থরায় থারিবতু উবদা চেনশিল্লক্লুনা মশাবি মমানমচাবু কোন্দুনা কপ লকলে। "শাবি ইবুঙো নুংশিনা থংলেন মাঞ্জ পাম্মুবা! ননাও লাইবকচাউবীনা রাংলেন নিকুপ খরদং পাম্মু নঙবু ঙাইজরম্নবাদ য়াইবী থরায় মাংলোইদবা কো। চিংগু ফজবা খোয়ুম মীনুংশি খঙদনা পাম্মু নঙবু য়াইবী লোগে তান্নরকপদ ননাগী কোলোয় নিংলেনবু কোম্নবা ইহুগী মৈরা পুথোরকউ হায়না হন্না হন্না লাউরকপবু থোমলেন মঙলানচান্নি খল্লুবনা পাম্মুগী য়াইবী কনবা ঙমহৌদ্রে। ননাউনা কৌজরিবসি তাবিরবদি অমুক্তদি থুমবিরকউগবা; চেক্লা চাগুম চিনদিম্না পোম্বী চাগুম চিল্লোক্লা নুংশি রাম্নী শামিন্নখিসি।" অস্থম্না নুরা ইনেম্মচাদো কপ্পা হৌনবমথৈ কপলুরগা মশাবি মমানমচানদি খুমক্লবদা তৌফম খঙদহুনা ইমুংদা চঙখ্রগা নুরাগী খুৎসু থাঙ লৌথোকলুরে। মশাবি মমানমচাগী নুংশি মায়থোং অতুবু হন্না হন্না চুপলুরগা নুরা খাঙবা ঙল্লক্লবোই ইকায় ইকি খঙদনা পলেম ঙাখিনি কিদনা পম্মো খংখিনি খন্দনা কবো চাংশোই ঈরাউখোলগুম কপলকলে। "শাবি মাঞ্জ নুংশিবা ননাও লাইবক চাউবীবু থোঙাক অশিথেন মকোয় নুংওনচীং রাবনা ফে লাউবা ফম্মাংচীং খুম্নু মিংস্না লুক্লকচীং পাথং চামনা শিরগা নুরা চামনা ঙায়নচীং নুরা চামনা শিরগা

পাখং চামনা ঙাইনথেনদা রাংগেন মিকুপ খরদং ননাওবু ঙাইবি-রমখোকো প স্মুবা। শন্নাং অমনা থোংখোং ওই শন্নাং অমনা পামবৈ ওই, অশি তুরেন লানবদা নুরা পাখং খুংজেং পালোয়ননা লানমিন্নসি মুংশি রাশক পম্বেং য়েৌনসি”। অসি হায়রনা মখুত্তা পায়রিবা থাঙ্‌না নুরাগী থম্মোয় লকাদা থুমনা থিন্দুনা থবাক ঈরন ফাংলে ঈমু ফিরাক থায়রে। মশাবি মমানমচাগী হকচাংবু কোন্দুনা নুরা হিপথখে।

মমোম লাংলেন লাইরেৌলেম্বীনা মপান্দা কপ লাউরিবা মীকপখোল অত পলেম মমা খোইজুহোংবীনা তাবদা খোমলেন মঙলানচান ওইরবোই হন্দুনা লৈথোবলে। অমুক অনিরক অসুম লেপতবা মীকপ মীরাউখোল তারবদা খোইজুহোংবীনা খোমলেন য়াত্তারিবা মশাবিবু হোৌদোকলে। মথোয় অনিনা মপান থোরক্লুনা কোয়েং য়েংবদা চুরি ইতুম তাফমদা পাখং হেত্তুনহা, মমোম লাইরেৌলেম্বী অনিনা লাইরেনগুম শাংনা য়াতাম্মির রবত উবদা পলেন পম্বৌ অনিদো হায়ফম তৌফম খঙদনা চপ লেপ্পুন য়েংলুনা লৈরে। পলেম মমা খোইজুহোংবীনা চেনশিল্লকুনা মমোম্মু কোনখৎলুবদদি মশা পুম্বা ঈনা পুমঙাং ঙাংলমলে, নুরাগী য়াইবী থরায়মক্তি থারমদ্রিবোই, অরা শোর পাবোং লোন অনা চৈনাখোল খাঙবদা নিংশা শোর থবেং থবেং হোন্দুনা রাকি মত্তেক মত্তেক্না “পলেম ইমা ইবেম্মা! নমোম লাইবকচাউবীবু হায়বা ইন্দে খনবিগনু। হন্দকী মপোক লাংওন অসিমদি পলেম পম্বৌগী নয়াথং ঙাকপা তুমমদ্রে। মপোক লাংওন অমদা পলেম পম্বৌ অনিগী অরাবা শরুক য়াজবা চিংঙু মানা কুবিমনু।” অপোকপা পলেম পম্বৌ অনিবু য়েংজবসু মিৎলু পিরাংনা থুমহৎখিবনা নুরা নিংথিনা উজবা ফংখিদে। অসুম্না ঙাহাক পুকমেন পাওমেন্নরমগা থোংনাং লাইরেৌলেম্বী ইবেম্মা পুক্কিগী অরোইবা য়াইহিপ তানখি। মুংশি

রাশক পন্দোল লোম্নখিবা নুরা পাখং অনিগী য়াইবী থরায়না চীংগী থুন্নু খোংজোম্বী তমগী থুন্নু খারিকপী চেক্লা লমখুণ্ণগী শক্তম লৌরগা শাগল তিংনা শাখপ তোয়না খত্রাংননা প ই-মিংখি কোরৌ নোংমদোল অম্না।

অসোমদা হেঞ্জুনহানা য়াইবী থরায় মাঙব সতম অসিমক্তদা পলেম মমা ইবেম্মা খোইদোম লুখ্রাবীগী খোম্লেন মঙলানচান্দা মঙফাওনবদা মিকপ থোরক্লে। মপারিবু ফম্মুংদা য়েংঙুবদা লৈরমদ্রবদা মীপাই চাউবী মমাদো শুমাং তান্না থোরক্লগা মপারিবু কৌতুনা কপ্লকলে। রাজরনী মমাদো হায়ফম তৌফম খঙদনা দারিদা ফমতুনা মপারি হল্লকপা ঙাইতুনা লৈরে। ইন্নুং মমৈ রায়রকপা তাংলৌ রায়না থেঙখিবনা থরায় থোঙ্গাল লান্না কেগে খুল্লক কোয়না মপারি থিবা ঙমদতুনা লাইবকচাউবী ইবেম্মা হিক্লা হিক্লা কপতুনা ইন্নুং ঙানবা ঙাইতুনা লৈরে। অয়ূক্কী য়েন্দা অঙনবা চীংখৈ ফিতুপ হুল্লকপা কেগে শোয়া হেল্লকপা মোইরাং ইন্নুং ঙাল্লক্লবদা খুৎলায়না পানবা য়াওরৌ শাগুম, মখোঙ য়াওদবা শগাইগুম মৰু য়াওদবা পামেলগুম লাইবকচাউবী মমাদো অঙাওবীগী পান্দমগুম কৈরোয় লৈকায় থুংনা চৎতুনা, খুল্লক লৈরক চিংথদনা য়াংলৈ তাউবা হুইনা মানবী খোঙ্গুল লীবগুম মপারি হেঞ্জুনহা খিবা হৌরকলে। মোইরাং নিঙোল লাকপা অঙম্বা খোইজুহোংবগী শুমাং ইতুম তাফমদা নুরা পাখং অনিখক য়াইবী থরায় থামিংবে লৈকায় পাউবু তাবদা খোইদোম লুখ্রাবী মমাদো কপ্না কপ্না চেল্লকলে। মপারি কায়না মৈচাক্লা থম্মোয় খোননা চাক্লবী কপ্পতনা মমিৎ উদ্রবী মমাদো অমুক তুই অমুক হৌগৎলি, মশাপুম্বা উফুল রাইফুল ইতৈ তৈরে। য়াইবী থরায় য়াওদ্রবা চংবী লক্ষু মতুপকুম লোংনা তারিবা মপারিগী চেংলৌ মশক উবদা লায়রবী পলেমদো চেনশিনখিহুনা মপারিবু কোন্দুনা কপ্লম্নগা নিংঙাইবা লৈতনা রাম্বুখরে। নুরা পাখংবু পোকপা

পলেম পম্ভৌগী অরাবা মীকপ তেংথাখোল তাবদা কৈরোয় লৈকায় হুপ্প: চণ্ডলক্লে অরাবা শরুক য়াররে। নুরা পাখং অনিগী লাংগুন মতৌ উবদা অরাকপা মী পুন্নমক কপ্পরে পামুই নুংশি শোনরে মমিং বুপ্তনা য়েংনরে, মীয়াম্না ফিঙৌ ফৌগুম্লে। লৈকায় অহন লনন খুঞ্জাগী লুচিংবা অহন খরনা চেনখংতুনা মপু মোইরাং নিংথে. পুরিংলাই ফাং ফং পোংনেনহনবদা হঙ্গৎলুরে। শাবি শানৌ অনিগী লাংগুন রারী তাবদা নিংথৌগী সনায়াথং তুংইনা নুরা পাখং অনিদো কাইরেন বুফাং চন্দনা লাইহল্লি তুরেন তোরবানা মালেম লৈরোল চন্দুনা লেতাইরে। খাঙ্ঘ থক্তা মপানি মমোম কায়না মেশা লাংহুন: অরা মেচাক ফংলবী লাইবকচ উবী পলে। মমা অনিদো কপ্পা মখে কপ্পম্নগা রাখল লৌশিং মাঙখিহনা রাম্বরে. অনা খনাই লাংকরে। নুংশি শাইগুন লোঙদানবরক। শাবি শানৌ অনিগী অপম নুংশি নায়নদবা হৌখিনা থে দোক রানিবু তারিবী রাইনু মোরী থৌদনবীদ্‌ থম্মেয় শোক্লনোং মিংনু তরং ঈরাহৌ মখোল থোক্লা কপ্পনলে।

শাম্বা নহা লমগানবা—
খমনুং য়াইদিংকোনু

রাইনু লাবা কদনবনা মশানৌ মনেম্বচা মোরী থৌদনবীদা কেগে মোইরাং লৈমাবী মোংবা তুরেন তুখুন্দা লেপ্তনা চেনবা ঈচেলগু। খোইবেল হিগুম থুম্লবা লৈরাংগুম লৈনম মাঙহবা শাবি শানৌগী নুংশি শাইগুন রারীবু মথা তানা শীবিরকই। কেগে মোইরাং লৈকোয়নুংদা মেনা রাই তাংনা শম্মা পানখিবা

নিংথৌ পুরিংলাই ইরাং তেলহৈবগী সনা মহাকথক্তা হেঞ্জুনহা লাইরেৌলেগী অনিগী মাঙফদ্রবা য়াইবী থরায়দো খোয়ুম নোংদমখোলদগী অমুক হন্না কেগে মোইরাং লবাক্তা থুংশি শাইগুন খোঙদামিন্নরক্লে। হেঞ্জুনহাগী য়াইবী থরায়না মোইরাং সিনস্থইনবগী মপারি ওইনা পোক্লরে, কোলোয়না শাম্বা নহা লমগানবা মিংথোক্লে। মুরা থোংনাং লাইরৌলেম্বীনা মোইরাং খাম্বী লৈকয়দা লৈবা কেগে লবাক্কী ফন্নাইবা চিঙোল লাকপগী ইংখোল চাইথোইম্নংদা মঙোম ওইনা তোমশাংনরক্লে। মুরাগী কোলোয় মিংলেন্না থমচুং য়াইদিংকোন্থ মিংথোক্লে। নেঙৌনা থুংশি শাইগুন খোঙদামিন্নরক্লবা শাদি শানৌ অনি অসি চিঙু থাংজীং লাইগী নোংদমখোলদগী শরেপ কাংদোং ফাদ্রি ফাওবা অমগা অমগা শকখঙ মায়খঙনখিদে। কেগে কনানস্থ মখোয় অনিবু শকখংবিদে কৈরোয় লৈকায়নস্থ মরা মপাউ হাংনবিদে। অস্থুম্না চহী কুমজা কয়া হৌখরে নুরা পাখং অনিদো। মোইরাং সিনস্থইনবদি মরাইবক থীবনা মঙ্গুং মতম চাদনা তাইবং মালেম থাদোক্লনা থমচুং লবাক্তা য়াচোংখিবনা মপারি নাউচা চাউদ্রিবা শাম্বা নহা লমগানববু পাখং শরেপ ফাওবা নাউয়োক নাউকোনবা য়াংখিদে। অঙাং ওইরিবা মপারিনা অপোকপা পম্থৌগী চেংলৌ মশক নিংথিনা শঙজহৌদে। পিক্না পম্বৌ শেংনবনা কেগেদা লমজা ওই, মোইরাংদ শারা শক্লা লায়রবী পলেম মমানা লৈকায় ফেংশু লচুন্না মীগী থুংলং চংতুনা য়েন্নাং কেঙোই হেক্লুনা মপারি চাউনবা রানা নাউয়োক নাউকোক্লে। লায়রবী পলেম্না নাউয়োকপনা পাখং কাংদোং ফাবনস্থু কেগে পাশা তাম্বা মোইরাং শলাই তাম্বা শাম্বা নহা লমগানবদি শেংপা চাবা মনীং থুংদবনা কৈরোয় লৈকায়গী শামান লেংমান্নবা মমান্নবা কনাগস্থু তিন্নদে, লৈবুং য়াকাবস্থু য়াংদে, থাঙ্গ লৈকায় লান্নস্থু কোয়দে। লায়রবী পলেম থাদোক্লগা মমাগা পোকমিন্নবা

মামাগী মরুম লয়েন চকপী বায়াখোং বাইখোং লমন্নুংশি তরাউ চীংগোম্নুং থুমখোং লাইরেম্বীগী মশাইকোন্দা নোইন্নু থুম শুংবা চংলি। মানা শুংবা ইঙেল থুমপাক অহু মপোং হেক ফাবগা ময়ুমদা পুরক্কুনা পলেম মমাবু কেগে খোয়োন কৈথেন্দা য়োনহল্লি। অদুগা মমা মচানা তরেং শেনবু তান্দুনা নোংমগী চারা হেন্দনবা হোংনবদা লেংপা মনী থুংনা নানা পাল্লি কেগে মোইরাং লৈবক্তা

মোইরাং খাম্বী কৈকায়দা লৈনা নিঙোন লাকপা অঙম্বগী মথক্তা মবুং শাওবী মখাদা মনাও তাদবী নিঙোল মদোম তোমশাংনবী শেংনীবদা শেং, চানীবদা চান্দনা লৈত-লায়র মশক খঙদনা হয়নীবদা মনী তম, ঙাংনীবদা নহা তয়া হাইনা তম্না পাংলিবী খমন্নুং য়াইদিংকোম্নুনি। মুরা ওইবী মহাক্তি কেগে মোইরাং লৈবাক্কী শামান লেংমান্নবী খোয়নৌ মতাশিংদগী থোইদোক হেন্দোকনা মজবী, কুচ কুমেন লমঙানবী, শাওং-শাদা নীথিবী, শিঙেল লৈগা পারগা শমদোন লাইবাক ফম-গালে, আমেল লাইজ খুদোললৈ কৌব লোক্লে শংগুম্বী চীং-লাইবক্কী উথম্বালগুম তোমথিন শাংপী লৈরংনি, নুংশি লৈনম চেনবী শিংলেনি, নিংফম হোংবা য়াদনা ফজবী মুরানি। মপানা খরাই থোঙ্গাল লানহন্দনা, য়ুমথংনবা কৈরোয় লৈকায় কোয়হন্দনা চেকশিলা ঙাক শেন্দুনা লৈবনা লৈকায়গী পাখং কনানম্নু খুঙ্গাগী নহা অহল অয়াম্বনা মুরা য়াইদিংকোম্নুবু মশক খঙহন্দে, কোলোয় মমিং তাবদা নত্তন। কুমসি কুমজাগী চিংথু থাংজীং হরাওবদা কেগে লৈকায় নিপালগী চন্নু নিঙোল মথৈনা মানা মানাহৈজবা জগোই খুংথেক পুথোক্লদুনা শাগদবনি হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা পাউচেল্লে। কেগে লৈকায় নিপালগী চন্নু নিঙোল পুন্নমকহু মাগী মাগী লৈকায়দা জগোয় খুংথেক তম্নবদা ফজনবা হোংনবদা চাগনি থক্কনি কাউনরে। পলেম

কয়াম্রু মমোমশিংগী ফিজেৎ লৈতেং শেম-শাবদা শুবা নোম্বা লেপনরে। মোইরাং খাম্বী লৈকায়গী শাওং শাদা ফজবী, চেংলৌ শকহেনবী চন্নু নিঙোল মথৌ থোমগংলগা নিঙোল লাকপা অংম্বগী মরানয়াইদা জগোই থুংথেক তমই। চন্নু নিঙোলশিংগী জগোয় তম্বা য়েংবা চংনবদা মোইরাং লৈবাক্কী পাখং অয়াম্বদি মথৌ শুনা লেপতুনা কেগে লৈকায় থুংনা কোয়নরে। নিঙোল লাকপদু কিনদগী লৈকায়গী নহা পাখং কনাম্রু অঙংগী মরানয়াইদদি জগোয় য়েংনা চঙবা ঙম্মদে।

য়োইমনাই তাউদল অঙানবনা নোংচুপ চীথেং তম্লকপা তনয়া খেঙ্গেং লাকলগপা লিরু তম্বা মালবনা খেংলন হুকচিক লাকলকপা পুমিনাংনাইবনা মতমনা কেগে লৈকায় পুংলোইদা। থাংগ লৈকায় লাকনা শাম্বা নহা লনগানবগী নমু নিরেন থঙলনা মরোই তাউনা পাউচেল হুইবু পুরগা লাকপদা চাংঙ্ থাংজীংনা লমজিংবিরবোই মুরা য়াইদিংকোঙগী খরাই থোঙ্গাল য়োরক্লে। নিঙোল লাকপা অঙম্বগী নোংবা মরানয়াইদু জগোয় তম্বগী পুংখোলনে, নিঙোল ময়ান তিনবগী মীখোলনে পুনলিন নিল্লে। য়েনিংবা কয়াম্রু য়েংবা ফংদ, চঙনিংনা কয়াম্রু চঙ ঙমদনা খরাই থোঙ্গাল থাংদা লেপতুনা লনরিঙেদা শম্বা লনগানবদি থঙই রাঙই শাদনা তাঙবা হুইগা মাঙ থরক্লে। জগোয় তম্বা য়েংদবগী চঙলক্লে। অঙম্বগী মাঙ্গোল মথৌবোম চন্নু নিঙোল ময়াম্না মমিং মনা চোইদনা জগোয় শারিবা অদু পাখং মানা শুমাং মতোন্দা তুমিনা লেপতুনা য়েংই। নিঙোল-শিংগী মরক্তা কুচু কুমেন লমঙানবী, শাওং শাদা শুমহৎপী, মিংয়েং নায়েংদা লগয়োবী খমনুং য়াইদিংকোম্নু ইবেম্মনা থরায় য়াঙনা থেক্লা থেক্লা জগোয় শারিবা মরাগী থুংথেক, মিংয়েং নায়েং অহু উবদা পাখং মাদি মমিং কুপাইদ্রে। লোক্তাক লাইজ ঈয়াইদা লেনলে ঙানা চাংহু উবদা উমু কৌবা চেক্লানা

মিংফম হোংদনা য়েংবগুম নুরাগী খুংথেক শাথেক উবদা পাখং পূক্লিং শুনহংখে। চিংঙু মানা তমখ্রবা খোয়ুম মানা পুনখ্রনা লৈপুলবু তাইবং কননা কায়হনবা ঙমগনি। হায়নবা লৈতনা তাক্লবা নাইদনা ইনশিনবা তৌদনা থৌদাবা ঙাইদনা নুরা য়াইদিংকোম্নুনা খোয়নৌ মতাশিংগা লোয়ননা জগোয় শারিম্বদগী হুন্না য়েংথোরকপদা পম্বৌগী শুমাংদা লেপলিবা পাখং মাবু উবরে। উনবমন্দুদা নুরা পাখং অনিদো মিংফম হোংনদে, মিংবা মিংকা মিংচান্নরে, মিংচি মিংচি লিরৌনরে নুংশি মিনোক হাইনোক্লরে, অপাম তেংজিন তেঙ্গা থোংনরে, থম্মোয় তম্না কাপনরে। তেনা চেনাখোল ফংবগা নুরা পাখং অনিগী নুংশি পায়না উলগোইনুং অপাম মরাং হৌনরে, নুংশি ঈখৌ লাংনরে। পাখং চোলৌ নুংশিবা খোইরুম মিনোক হংঙোনবা নুরা পুক্লিং খোইদাক্লরবোই জগোয় শাবা লেপ্তুনা নিঙোল কাদা চঙখ্রগা থোংজিন মরুমদা পাখং মাবু লোন্না হূনা য়েংলকলে। ইকায়থিবী নুরা ওইবীনা পাখং মাবু ফোংনা য়েংজবদি ঙমদা, লোন্না হূনা য়েংলিবহু পাখং শাম্বা নহা লমগানবনস্থ উথোকখে। ঙাইহাক মূন্না য়েংলক্লরগা নুরা পাখং অনিদো ইকায়হুনা অমুক মরু নুকথনে, অদুবু য়েংনবগী পেনবদি নাইনদে।

মতম অসিদা নিঙোল লাকপা অঙম্বা লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা কংলাদগী কুম্লকলে, খরাই থোঙ্গাল লানশিল্লক্লুনা শুমাং হেক য়ৌবদা মশক খঙদবা পাখং অমনা তাউবা হুইগা লোয়ননা শুমাং মতেম্দা লেপলিবহু উবদা লাঙ্গোই শায়াং থক্তগী কুমথরগা শাউনা য়েংদুনা মনাই নুপা অনিহু কৌথোক্লগা শুমাংদা লেপলিবা জগোয় য়েংলিবা লমহৈনবা কেগে পাখংসি চৈরাক পীহুনা তাম্বোকখো, নিঙোল লাকপা ঐগী ইভিক খঙহন্নু লাউরকলে। অঙম্বগী অশাউবা রাঙাংহু তাবদা জগোয় শারিবী চহু নিঙোলশিংহু কিহুনা জগোয় শাবা লেপ্পরে, পুল্লপ তাশিন্দুনা

পাখং মঙোন্দা মুংশার্থীবগা লোয়ননা য়েংনরকলে। শাম্বা নহা লমগানবস্তু ইকায়বনে কিবনে অনিনা লাঙ্গোয় চল্লে হায়ফম তৌফম খঙদনা মরু মুক্কুনা লৈরে। থাঙ্গা নিঙোল কাদা লৈরিবী খমন্নুং য়াইদিংকোন্নুদো পম্বৌগী অশাউবা রাজাং তাবদা ভূমিম্না লৈথোকপা ঙমদন্ননা মুংশা থীবগা লোয়ননা ইমুংদা চংখিত্নুনা পলেম মনা কৌথোকন্নুরে। মরাল লৈজদবা খঙদত্নুনা জগোয় য়ে লিবা শকখঙদবা পাখং অসি পম্বৌগী চৈরাক ফংবা তারে হায়না মমাদা তাকরে। মমোমগী রাজু ত'বদা মীন্নুংশি খঙবী পলেন্না ইমুংদগী ফৌ লাইতং অমা পুরগা থোরক্কুনা অঙম্বগী মমাঙদা থম্নগা কেগে পাশা তাম্না পাখং অসি মোইরাং লৈকায় লান্না অঙম্বগী নরানয়াইদা লেতে লায়র কোরুবা চক্কি ফিনিবা লাকপনি। ঐখোয়না ঙমজবা লোইমোম ফৌ লাইতং অসিমগা ফিমন ফৈজোম অসিমগা পীবিসি হায়ররে। পায়মা লৌশিং চাউবী পলেম মমাগী রাজু তাবদা পাইরক্কী লৌশিং শিংবী খমন্নুং য়াইদিংকোন্নু ইবেম্মা মপাগী নাক্তা চঙশিল্লক্কুনা শকখঙদবা পাখং অসিনা কেগে পনবান লান্না চাকনি ফিনিবা লাক্লগা চরৈ ফিমন পীরবদি পম্বৌগী তাংজ মায় খুবনি। তমব মানা পুবা ঙমগদবা লোইমোম ফৌপোং অমগা চরৈ অহনবা অমগা পীবিসি হায়না মপাদা তক্করক্লে। মমোমগী য়াব্রাজু তাবদা অঙম্বা শাউবা ফরে ইমোম ননীং তমজরো, ইপাগী চরৈ তাবুন্নুংদগী ইমোম্না পাম্বা চরৈ খল্লগা লায়রবা লমজা মঙোন্দা পীখিখো হায়রম্নগা ইমুংদা চঙথি। অঙম্বনা চঙখররদা শাম্বা নহা লমগানবা রা মচেৎ অমত্তা ভাঙদনা মরোই তাউবা হূই পুরগা ইকায় মুংশি য়াম্নলা খোংথাং মশীং থিত্নুনা খরাই থোঙ্গাল পাংলক্লে। মুরা ইনেম্মচানা মপাগী চরৈ তাবুন্নুংদগী ফৈজোম অহনবা অমগা কুরিং শাইগকপা অমগা লৌরগা খোয়নৌ মতা চায়বীগা লোয়ননা খরাই থোঙ্গাল তাম্না খোরক্কুনা

পাখং মাবু খামজরক্লে। ‘পম্বোগী য়ংঙা খোনফম অকন্নবা তানদা পাখংগী থম্মোয়দা অশাউ খাম্বী মৈশা লাংলবস্তু তাংজ ইকায় ফিরক খুম্বিরবস্তু নিঙোল ইস্নুংলাংগিদমক্তনি খনবিন্নুনা পায়.। নুংদ নাইন্নু কিশি কিবিগনু। ঙসিদগী মণ্ডানি শুবা কোরৌ নুমিংকী অয়ুক তঙনবদা পম্বোগী খারৈ লবুক্তা নিঙোলনা লৌ লিংবদা ইতেং পাংবিরো নুমিং অন্নুদা নুরা পাখং শবখঙ-মায়ইঙনসি কোলোয় মিংলেন তাক্লসি ইন্নুংশি রারী শামিন্নসি” হায়না মানা পুজরকপা চরৈ কৈজোম ফুরিং অনিদো পাখংদা পীরম্নগা চঙখি। পাখং শান্বা লমগানবদি ইকায় নুংশি মাঙঙইনা হোয় মায় পাঙখুম পীবা ঙমদনা য়াঙবৌ লাংদা থুরবা উহল কোবা চেক্লাগুম নুরা মাবু মিংফম হোংদনা য়েংদুনা লৈহৈই।

নুরাগী কোলোয় মিংলেন খঙত্রবস্তু নুংশি মপাউখোল তাবদা পাখং মাদি ভুম্বা চাবা খোয়দাদ্রে, শুবা লোম্বা খোয়জংদ্রে, নুরাগী রাখলদা ককঙাউনরে। মশানৌ মনেম্মচাগা হায়নবা নুমিং অন্নুদা মথুং থেক্তনা পান্নুনা লৈখ্রে। নুরা ওইবী মহাকস্তু পাখং মাগী রাখলদা চাগনি থক্কনি কাউরে, রাখলনা লঙ্গোয় চল্লে। পাখংগী মপাউ তানিংবনা মোমনু থাঙ্গ নিঙোল কাদা তেরাগী মোনদুম মোনতেক থক্তা য়াতাবস্নু পোথাফম খঙদ্রে। পাখং মাগা উননীংবা নুংশি মপাউ মেয়নিংবদগী ইকায় ইকি খন্দনা খোয়নৌ মতাশিংগা লোয়ননা পম্বোগী খালৈ লবুক্তা লৌ লিংবা য়াঙরুগে, নিঙোল ওইবী ঐখোয়দি থবক শিন্থা শুনা হৈতবা য়াদে হায়না পলেম মমাদা তক্লরক্লে। অমত্তা পোকপ মমোমগী য়াকাবু উবিরবী পলেম মমানা অঙম্বগী য়াথং লৌবিরে য়ানিং য়ানিংদনা। পম্বো মপাগী য়াথং ফংলবদা য়াইদিংকোম্নু ইরেম্মা নুংঙাইবগী পন্দোল লোম্নরোই হৈথা পোথাম্ন ওইনবা হৈরাং অহাওবা পোৎলম শুনা লাঙজরে। খোয়নৌ চায়বী মতাশিংগা লোয়ননা হৈথা পোথাগী পোৎলম

পুন্থুনা মপাগী খাশি লমুক্তা হায়নবা মুমিংকী অযুক অঙনবদা লৌ লিংবা লাকলে। পাখং মহাকম্ হায়নবা মুমিং অহুদা লৈরোয় লৈকায়গী মরূপ মপাং হৌরগা নিঙোলনা লৌ লিংবা পাংবা লাকই। মুরা পাখং পুন্নমক মথুংতা লৌক্লেল পায়রুনা লান্না লান্না লেপতুনা ৱারী শানা শানা লৌ লিংবা হৌনরে। শান্না নহা লমগানবা মুরা য়ায়দিংকোন্ন শাবি শানৌ অনিদি লৌরিথক্তা ফমহুনা হায়নিং রফম কয়া পুক্লিংগী থাম্ব ফেং-দোক্লবে, কোলোয় মিংলেন তাক্লবে, পাবি পুরি হংনরে, হরাও মুংঙাই য়াকতম মুংশি পুকমেন পাওমেল্লরে। মুরানা পামজবা কয়াস্ত হায়জরে, পাখংনা হায়নিংবা কয়াস্ন অথাকপা লৈতনা যোংদোকলে। চংলিবা লোইদাম থানা থাশিরক লাংহৈ কুম ওল্লকপদা অফবা মুমিং থাবান য়েংলগা লুমলেন লাদা য়েকচগে অপাম মুংশি রায়থুংনসি হায়না চিংঙু থাজীং লাইবু পন্দুনা শরি রাংক পন্দোল হৈলোম্নরে। মুংশি রাশক তে শিংনথুনা লৌসি লৈসি য়ানরবদা শান্না নহা লমগানবনা মশানৌ মনেম্মচা য়েংহুনা য়ারা মপাউ নেল্লকই। পাখং ওইবা ঐদি কেগে পাশা তান্না মোইরাং শলাই তাম্বনা ইযুম লমদম থাদোকতুনা কোরৌ শিংবুম খরদং লমলেন চকপী রায়াখোং থুমখোং লাইরেম্বীগী মশাইকোলদা ইঙেল থুমপাক শুংহুনা লায়র 'ইতেঙ ওইনবা তরেং শেনবু তাল্লগে। পাখং হৈনা ইতুংদা শানৌ ওইবী নঙদি চেংহী শম্মাল লাংলমগন্নু, তুরেল তৈনা তারমগন্নু কৈরোয় লৈকায় নচেম ননেমগী পানা লমলান চারমগন্নু'। মশাবিগী য়ারা মপাউ তারগা মুরা ইনেম্মচাস্ন মশাবি চিংনা য়েংলগা "শাবি মাঙ্গ পান্মুগা! মুমিং শিংবুম য়ামবিরক্কনু, থুমখোং লৈমা ইমাগী চিংঙু মশাইকোন্দা ইঙেল থুম্ব শুংবদা ককম্নি চীংজুম থকপি-রক্কনু। মুরাগী শাইনোল খাদা চিল্লিবী শিঙেল লৈখোক্লদি পিক্ লৈরাং লৈতোংদি পুং লৈরাং চয়োং অসি পাখংগী থুংতা

শিজগে। লমলেন মাইখোং লমদমদা নিঙোল ইতুং থিন্দুনা পাখংগী নাক্তা লৈরগা শিঙেল লৈচু ওন্দবা লৈরাং লৈনম চন্দবা চিংদু থাজ্জীং লাইনা হৌবিসমু চেংলৌ খুদম য়েংনসি।" অশুম্বা পাওয়েন্দুনা মশানৌ মনেম্মচানা পীবা তংশি খুদোল লৈরাং অহ্ চিংনা য়েংলগা পাখংনা শিঙেল কোলোয় হংলক্লে লৈরাংগী লেশক তাকউ হায়রক্লে। খুমন পুংদা ওংবলৈ নোংমাই পুংদা শাংপলৈ, খুমন পোক। থৌনিবদা য়াওবলৈ লৈরাংগী কোলোয় মমিংদি ই.। লোইদাম লৈনুংশি লৈরাং কাকলৈ কৌই হায়না মশাবি মকাদা লৈরাংগী কোলোয় মমিং তাক্লকলে। শাবি শানৌ অনিদো মংশি পুকমেন পাওমেন্নবা লোইরবদা লৌ লিংলিবা মুবা পাখং ময়ামগা লোয়ননা হৈথা পোত্থা পুথোক্নুনা চামিন থকমিংরে, শকথঙ মাইখঙনরে। চাবা থবপা লোইবগা কোরৌনা কোকতোন লোক্লবদা মুরা পাখং ময়ামদো মমুম ময়মদা হনখি। শাবি শানৌ অনিস্থু হন্না হন্না য়েংনতুনা মরান-য়াইদা চংনখি।

মোইরাং শাইনগী রারী তারিবী রাইমু অমোম মোরী থৌদনবীনা চেক্লা কাক্ৰী মিংথাং লোতুনা লৈরাং কোলোয় মমিংবু করিগী কাকলৈ থোল্লিবনো হায়না মশাবি কদনবগী মফমদা হংলকই। মশানৌ মনেম্মচাগী চিংনবা রাফনহ্ন তাবদা চহী কুমজা কয়াগী মমাঙদা থোকখিবা লৈরাংগী হৌরকপা রারীবু রাইমু কদনবনা মশানৌগী মফমদা লীবিরকই। নোংমা চেক্লা লমখুম্নু মতৈ-মনাওনা মখোয়বু পোকপা কোরৌ নোঙ্গানশ্রবা পলেম পম্বৌগী য়াইফনবগীদমক্লা উচেক শায়ামগী মরক্তা অহল ওইরবা মখোয়বু পোকপা পলেম পম্বৌগা মরুপ মপাং ওইরম্বা কাক, উরোক, মকু উচেক অহুম্বু মেরা থাগী থাশি মুমিত্তা চাক কোই। অয়ুক অঙনবদগী উচেক অহুম অহু করিমক্তা চাদ-থক্তবমখৈ ঈরু মাইথজরগা লমখুম্নু মতৈ মনাওনা চাকৌবহ্ন

মবুক থংা চাগনি খন্দুনা হরাওংগা লোয়ননা ঙস্তা থুংহরে। নুমিৎ অদু লমখুম্ব মতৈ মনাংস্তু মখোয়না ঙমজবা অচা অথক য়াম্না লাংলে। চাকলুক অহুম মথং মনাও নাইনা থারগা মচুগী মথক্তা অচা অথক ময়ামচু হাপলে। লমখুম্বু মতৈ মনাংনা উচেক অহুমগী মমাঙদা থোক্লগা নাশা শারং থুপ্লুনা থুকুমচুনা হয়্রৈ। ঐখোয়না থাজরিবা চাকলুক অসিদা নহা অহল খায়না মথং মনাও নাইনা খাইদগী চহী য়াম্বা অহল অহুনা মকোক থংনা ফম্লিয়ু। ঐখোয়বু লোকপা ইপানা অমল-থার কুম্নমদাইদা শিংবিরম্বনা পম্ভৌ ইপাগুম্বা অহল অহুম্বু চাক্ন কৌজবনি। পুক্কিং পেন্না পুক থংা চাবিয়ু, ওক্রিবমখৈ হাপচগে।

লমখুম্বু মতৈ মনাংগী রাহু তাংদা উচেক অহুম অদু য়া মচেৎ অমত্তা ডাঙদনা মরু লুক্কুনা ভুমিম্না ফমহুনা লৈনরে। মখোয় অহুম অদু মদিংতি লোহা পোহা য়েংনহুনা মানা হান্না চঙসনু মানা চঙসনু নীংনহুক্লে পায়না পুংদা মচিন্দি থোকখিদে। লমখুম্বু মতৈ মনাংনা মতম থেংলে, মুংশিং লাক্লিঙদা চঙনিরো হায়জরক্লবদা উচেক অহুম অহুনা চাকলুক্তা অমুক য়েং লমখুম্বু মতৈ মনাঙদা অমুক য়েং তৌফম খংদনা হায়া চঙবা তাংহুনা লৈবে! নুমিৎ অদু উচেক অহুমগী মমুংদা কাকনা খাইদগী হেন্না মবুক লাম্নম্বী। ঙরাং গুজং লাম্না কোম্ন- রুবগী মাগী তালোয়গা থংনহুনা অহীং অহুমা চারা হেন্নবনি। অহীং নোংশোইবা মবুক লাম্বনা খোমলেন য়াতাবা য়াদ্রবসু ইমুং ঙাল্লগা লমখুম্বু মতৈ মনাংগী চাক কৌবদা মবুক থননা চারুগনি খন্দুনা অরাম খৌরাংবা কয়াবু রানা থাঙলক্লবা কাক অহুদি মমাংদা হাউবরা য়েনশাং মথেল কয়ানা কোয়শিল্লিবা চাকলুক অদু উবদা চানিংবনা মতিল কুৎ কুৎ য়োংলে লাম্বনা মবুক গ্রোং গ্রোং খোংলক্লে। চাবা খরা লাম্বনে নোংলৈ মুংশিংনা লাকপনে চ কলুক পাইখোকখিহুনা চাবা ফংহৌদবা তারে

খল্লদুনা থৌরবা মচিল অদু লৈপাক্তা কেংলম্নগা খ্বাইগী মকোক থ.বা চাকল্লুক অদুদা! চওশিন্দুনা চাগদবগী মকোক হেক লুকথবদা উবোক্তা থুনা য়াঙনা পাইশিল্লক্লগা কাক্তী লল্লাইগী মশম অদু ফোংইররে। ক্বাক অদু নামনখিবনা শাউদুনা মাশা অনিনা উরোক্তে লামদুনা কুরে, মথোয় অনি হন্নবা লৈতনা ফুনরে। ক্বাক উরোক উচেক অনিনা ফুনরিবদু থামগেদি খন্দনা কাক্বা চাগে ফদুস্না চাকল্লুক অদুদা মকুনা ভপ্পা চওশিল্লগা চথোম অমা অনি লুকপা হৌরকলে। মকুনা করিস্তু থওই রাওই শাদনা চাকল্লুক মকোক্তা ফমদুনা চারিবদু ক্বাক উরোক অনিনা উরহনা খংনবা তোক্লগা মথোয় অনিনা মকুগী মখজাইদা মাশানা কল্লক্লে। মকু অদু নামনখিবনা মকোক ভাওদুনা উরু উরু লৈরম্নগা চাকল্লুক মপন্দা তুদুনা লৈবদু উবদা লমখুন্নু মতৌ মনাওনা মুংশাগীবগা লোয়ননা চেনশিল্লক্লুনা থামলে। ভাহাক রাম্বরুরগা ওকু অংসু হৌগংলক্লে! উচেক অছুম অদু চোংশিন চোংশিন্দুনা হন্নবা লৈতনা ফুনবদা চাকল্লুক পুম্নমক পুমচাই চাইরে, লমখুন্নু মতৌ মনাওনা থাম্বস্তু ভমদে, উচেক ময়াম কৌরগা থামহল্লে। পাউ অসি মথং মথং শন্দোকখিদুনা উচেক পুম্নমক শুনা তিল্লরে, মথোয়গী মতু মচা পুম্নমকস্তু লাক্লরে। উচেক ময়াম তিল্লরবদা মাগী মাগী মীচং শঙ্গল নাইদুনা লাম্না লাম্বা চোংথোক্লদুনা অমুক ফুনবা হৌরক্লে।

কোরৌ নোঙ্গানখ্রবা পলেম পম্মৌগী পেন্নবা চাক্লৌবদু উচেক ময়াম হাংনদুনা লৈবাক রাথোক ওইবা তারে খল্লদুনা লমখুন্নু মতৌ মনাওনা লংজা কৌরুরে। লংজানা মাগী পাক চাউরবা মাশা অনিনা কুদুনা খংনরিবা উচেক ময়ামদু থামদোক্লে। রাথোক অসিগী অচুম অরান থিবা ভমদবদগী লংজানা লুচিংলগা উচেক ময়াম্না চিংভু থাংজীং লাইগী লাইমাঙ তাম্না লাক্লুনা রাকংলরে। থাংজীংনা মায়কৈ ভাকপা লাইয়াম কৌরে, লাইয়ামগী

মমাঙদা কাক উরোক মকু উচেক অহুম কৌথোক্লুনা ফমহল্লে। লমখুন্ন মতৈ মনাওনা লাইয়ামগী মমাঙদা চোথোক্লুনা মখোয়বু পোকপা পলেম পল্লৌ অনিনা কোরৌ নোঙ্গানরমদাইদা শিংরম্না দাকমগী মহং ইন্না উচেক অহুম্বু চাক কৌবগী হোৌখিবা থোৌদোক পুম্নমক মথং শিংনা হঙ্গংলে লমখুন্ন মতৈ মনাওগী রাজ তাবগা চিংঙ থাংজীং শাইনা কাক য়েংহুনা "কাক! নংনা উরোক মকু উচেক অনিগী মরা তাদনা নখোয় অহুমগী ম.ংদা চহী মশীং য়ামহা অহলনা চাগদবা চাকলুক্তা চোংশিন্দুনা চাক্করিবা করিংনো" হংলকপা থাংজীংগী রাহং তাবদা কাকনা মাশা শারুং অনি থুপ্লগা চিংঙু খুয়া খাদা মকোক নোল্লগা "কেগে পোকপা শোরারেল তাবিয়ু। লমখুন্ন মতৈ মনাওনা নহা অহল খায়না মথং মনাও নাইনা অহলনা মকোক্তা, নহানা মখাদা হুনহুনা চাবিয়ু হায়বদগী ননাই কাকনা মকোক থবা চাকলুক অহু চাকম থোক্লমাগে খজহুনা চাজক্লবনি" হঙ্গংলক্লে। উচেক খোয় অহুমগী মনুংদা কাক নঙনা অহলনি খল্লিবহুবু নঙবু চহী কয়া শুরবগে হংলকপা থাংজীংগী রাহু তাবদা কাকনা "ননাই ঐদি চহী য়ামলে য়াম্বনথ্রুনা ইশানা চহী মশিং কাউজরে, ময়াম্না শিংনা নাইদবা কাক পুন্সিবা মিংথোল পী দিরিবনি" খুয়কই। অদুগৈ পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌরেল মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক্কী মচানুপা তাউথিংমাংনা মৈত্রবাক্তা কংলা ফম্বাল লাংবা মতমদা ময়াম্বা য়োইমোংবগা মচিল মনাওনা লুচিংহুনা তুরেল অচোবা তুখুল তেংঙি। তুরেল তেংবদা নমু তাইবং মী য়াওরৌ শা য়ারা উচেক পুম্নমক অমত্তা চিথদবনা ময়াম চঙহুনা তুরেল তেংবদা উচেক ময়ামগী মরক্তা নোঙ্গৌবী য়াওখিদে। মৈদিংঙু তাওথিংমাংনা শাউহুনা নোঙ্গৌবী কৌক্লচো থোৌদাবিরক্লবদা ননাই কাকনা নোঙ্গৌবী কৌবা চংচে। মতম অদুদা চেক্লা মাদি মপারি নাওব্রাবু মচিঙ্গাক ইন্সুনা লৈরমই।

মৈদিংঙুগী সনা য়াথংনি তুরেল তেংবা য়াউকসি হায়জববু পারি শরেপ ফাদ্রি থাদোকপা য়াদে হায়দুনা চংসি য়াদে। চেক্লা মাগী মপাউবু তম্নদা মৈদিংঙু তাউথিংমাংনা শাউদুনা হৌজিকমক লাক্লবা য়াদে নিংথৌ ঐগী য়াথংনি তম্মুচো হায়রবদা ননাইনা অমুক হল্লা নোংঙ্গৌবীগী মনাক তাম্না চংলি। হৌজিকমক ঐগা লোয়নননা চত্তবা যাদে মৈদিংঙুগী সনা য়াথংনি হায়রবা ফাওবদা করিস্ত থওই রাওই শাদনা নিংথৌগী সনা য়াথংনি হায়দুনবু পারি নাউবাবু লুন্দোকপা য়াবরা হায়দুনা মপারি নাউবাবু শুমদুনা লৈরে চংসি হায়বা য়াদে। অসুম্না ওংলৈ পাঞ্জি তৌদুনা নোংঙ্গৌবীদি তরেল অচৌবা তেংবা য়াওখিদে। মৈদিংঙু তাউথিংমাংনা উশিং থওইদে, নিংথৌগী য়াথংবু ঙাক্কে ঐখোয়না তৌরিবা তুরেল অসিদা নত্তনা পোইরৈ নিত্রবাক্তা চেল্লিবা তুরেল পূম্নমক্কী লাইজ ঈশিং অদু নোংঙ্গৌবীবু থকহল্লোই। করিগুম্বা উদ্রিঙদা মানা লোয়া তুমিন্না লুরান্দুনা ঈশিং থক্লবদি মমৈ পুম্বা ওইসনু হায়না মৈদিংঙু তাউথিংমাংনা উচেক মযামগী মমাঙদা তাকপিখি। চহী কুমজা অদুদগী হৌনা ননাই কাক্কি অনা-অয়েক য়াওদনা হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈজরি।

কাক্কী মরিক চুম্বা রাহু তাংদা লাইয়াম পূম্নমক তুমিন তুমিন লৈনখি, মখোয়গী মপুক্লিংদা চুম্বী, কাক্কি চহী মশীং য়াম্লে, মাবু কাক পুক্লিবা কৌবসি মতিক চাবনি হায়নরক্লে। চিংঙু থাংজীং লাইনা উরোক্তা ওনশিন্দু। "উরোক নহাক্না চহী মশীং য়াম্লবা নখোয় খ্বাইগীসু অহল ওইরবা কাক্কী শরাইগী মশম ফোইরুরিবদি করিগীনো হংলকপা থাংজীং লাইগী রাহংদু তাবদা উরোক্না মপুক্লিংদা করিমত্তা নাচুংদনা মাশা শাকুং অনি থুপ্তনা চিংঙু লাইয়ামগী মমাঙদা মকোক নোন্দুনা খুরুম্নগা হায়রকই। "তাবিয়ু মোইরাং পোকপা লাইনিংথৌ কেগে

ঙাঙোই লৈশেন্না ! অহল ওইরবা মপাগুম্না ঐনা চাগদবা চাকলুক্না ঙরাংগী অঙাং নাউরাগুম্না কাক মানা চাকলুক মকোক্তা চোংশিন্দুনা চাবচুদা শাউনিংমনখ্রুহনা কাক্কী লরাইগী মশম ফোংইরুবনি।" উরোক্কী রাত্ত তাবদা লাইয়াম ঙকলে, উচেক পূম্নমকস্তু ঙক্লুনা চিবোন চিবোন ঙাঙনরে। থাংজীংনা "উরোক নংনা কাঙ্কুগী চহী হল্লি অহলনি হায়রিবত্তু নঙবু চহী কয়া শুরবগে" হংলকুবা ফাওবদা উবোক করিস্ত নাচ্ংখিদে। "তাবিয়ু লাইনিংথৌ ! য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিল মনাওবু পোকপা মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক হায়বত্ত নোংদা লাইরেন পাখংবগীদি মচানুপানি। নোংদা লাইরেন পাখংবনা মশানৌ মৈতৈলমা লাইস্নাগা লোয়ননা কংলাদা নিংথৌ ওইহনা পানবা মতমদা ননাই উরোক ঐদি ইশা শারুং থুংহনা কোইপাই পাইবা ঙমলে। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা পোইরৈ মৈত্রবাক অসি অয়ুক নুংথিন্দনা খোয়ুম লাইগী মশক লৌহনা রায়েল থৌদাবা, অহীং তাংলৌদনা নমু তাইবং মীগী মশক লৌরগা পোইরৈ শিনবা থুংনা ঙাক শেন্দুনা লৈবা খোয়ুম লাংওন অথুপনত্ত খঙদহনা মশানৌ লাইস্নাগী পায়মা মুংদা চিংনখি। শাবি ইনিংথৌ নঙনা অয়ুক মুংথিন্দনা খোয়ুম লাইগী মশক লৌহনা রায়েন থৌদানগা ইনুংয়াইদনা নমু তাইবং মীগী মশক লৌরগা পোইরৈ শিনবা থুংনা কোয়না চংপসে কনাগুম্বী চন্নু নিঙোল চেংলৌ শকহেনবীগী নাক্তা লৈরক লুথুম্না খোংবান লানলুম্বা চংপরা মুজাগী পায়না মুংদা চিংনরে। ইনিংথৌগী তুং ইনবা য়ানবা, চিংঙু থৌগল ফংনবা ননাউস্তু অয়ুক মুংথিলনা লাই ওইজগে ইনুংয়াইদনা নমু তাইবং মী ওইজগে হায়রকপা মশানৌগী চিংনবা রাফমত্ত তাবদা পাখংবনা মোমোন নোক্লুনা "ইশানৌ মৈতৈ লৈমা ইবেম্মা মঙদি পোইরৈতোম্না খুম্মো-মকপা লোয়নরকপনিনি নমু তাইবং মী ওইবদি য়াই, খোয়ুম

লাই ওইবদি ম্নাবোই। নশাবী ঐদি কোরৌ নোংঃদোল থকুগী তারকপগুম কুম্নকই হায়বগী ঐবু নোংদা কৌবনি। খোয়ুম লাং পূম্নমক্কী মকোংক্লি হায়বগী ঐবু লাইরেন হায়নস্থ খঙৈন। ইপা গুরুগী মতিক নথৌন। অরুববু খঙ্ডি হায়বগী ঐগী ইমিংবু পাখংবা থোল্লি। অদুনা ঐদি কোলোয় মিংলেনবু লাইয়াম্না নোংদা লাইরেন পাখংবা কৌরিবসিনি।"

উরোক্বী ময়েক চুম্বা রারীতু তারুরগা কাক্কুগী উবোবনা অহলনি হায়নরক্লে। চিংঙু থাংজিংনা মকুদা ঙক্শিল্লগা, "হায় মকু! নঙনা অহল ওইরবা উরোক্কা কক্কা ফুনরিংঙদা লোন্না চঙশিল্লগা চাকলুক মকোক্কা ফমহনা চারুরিবা করিগীনো হং-লকপা থংজীংগী রাহংত তাবদা মকুস্থ মাশা শারুং থুপতুনা খুরুমগা হনংলক। "-সনানা ময়ুং কাবা, লুপানা মফেল ওইবা, মুঙানা য়েনবাপ লোনবা, পোইরে মৈতৈ সনা লৈবাক্কী লৈতেং ওইনিরিবা খোয়ম লাইয়াম পূম্নমক! মগুগা মপুগা কনানা চহী হনংগে হংবিরিবনিবু অহল ওইরবা, পায়মা শোক্টনাইরবা, ইনা তাথিরবা মকু ঐদি খনফম খঙদে। মকু ঐগী চহীদি লইয়াম্না শঙদ্রিরি। অদুনি। তাইবং পানবগী মপুরেল অতিয়া গুরু শিদবনা তাইবং মালেম লৈশেম্বীরগে মপুগী পায়মা নুংদা খনতনা সনামহী পাখংবা মচিল মনাও অনিবু গুরুগী শমু হক-চাংদগী পুথোকখি। গুরুনা তাকপিবা মতুং ইন্না সনামহীনা তাইবং মালেমবু লৈশেম্বা হৌরক্লবদা মনাও তুপা পাখংবদি নহা ওইবনা অক-ফত্তা খন্দনা ময়াম্বনা শেমগৎপতু হেক হেক থুগায় বদগী মালেম লৈশেম্বা য়ারক্লবদা গুরুগী মফমদা হঙ্গংলে। গুরুনা মমিত্তুগী মিংনহাগী পান্দমগুম লংনা ফজরবী, চেংলৌ শকহেনবী নুজা অমা পুথোকখি। নোংথাংগুম্না লংনা ফজে হায়বগী নুজাগী কোলোম্নবু নোংথাং লৈমা মিংথোল্লে। মশক ফজরবী নোংথাং লৈমগা চেল চোংতুনা হরাওনা শান্নরিঙৈদা

সনামহীনা লাইবুংথৌ মাপস, লাইন্নুরা তরেংকা লোয়ননা মালেম লৈশেন্না লোইখি। তাইবং লৈশেন্না লোইরবদা গুরুগী ম্নাথং মতুং ইন্না নমূ তাইবং মী, য়াওরৌ শায়াম, উচেক রায়া, নাপী শিংবী, ভুমিৎ কাওনচিংবা মথবায় পানবা লেংলি পাল্লিবা পুন্নমক শেন্না লোইরবদা গুরুনা তাইবং মালেমবু থাদোক্লগা কোরৌ নোঙ্গাবগে খল্লহুনা বা তানবা মকু ঐবু কৌরকই। সনামহী, পাখংববু পোকপা খোয়ুম লাই পুন্নমক্কী মকোক ওই-রিবা অতিয়া গুরু সিদবা মপুহু ঐগীদি ইমাক্নি। গুরুনা ঐবু 'ইকু' কৌহুনা থোইদোক হেন্দোকনা ইকায় খুমবি। গুরুগী মকনি হায়রুনা খোয়ুম লাইয়ায়া ঐগী ইমিংবু মকু থোনবি-খিবনি। অহুইঙ লাইয়াগা থোনশিখিবা মিংলেন অহু ডুসি ফাওবা হোংদনা লৈজরিবসিনি।"

মকুগী মরিক চুম্না বাঙা অহু তাবদা উচেক ময়ামদা নত্তনা খোয়ুম লাইয়াম পুন্নমকসু ভুমিন তমিন লৈনখি। মহৌ-শাগী ওইবা মকুগী অস্লবপা মায়থোং, অকিবা মিংয়েং, অরাউবা মমিং অহু উবদা চুম্মি মকুনা তহলনি, চহী কুমজা মশীং য়ায়া পুন্সিনবনি হায়নরক্লে। তহল নত্তনা অহল শাকুবা ক্বাক উরোক নখোয় অনি বাকোংলো নপু মকুদা লাল্লে হায়জরো লাউনরকপা লাইয়ামগী বাহ তাবদা উবোক কাক অনিনা মকোক্কগী মতু অহুম অহুম ফোইরগা লাইয়ামগী মাঙদা বাকোংনবা চমলৌ লাতোন পামেল উনা অপাকপা শিরকলে। উরোক্কা পোইরৈ ভেরালা বাঙম পোংথা লাবু হেক্লগা চমলৌ লাতোন থম্বা মকোক্কী মতু অহুম ফোইরগা হাপতুনা খোয়ুম লাইয়ামগী মমাঙদা বাকোংলে। লাতোন থম্বা তারিবা চেক্লা উরোক্কী ভৌনা ফজরবা মতু অহুমতু উবদা লাইয়াম্না উরোক্কী মতু অসি লেম্না মাঙহনবা য়াদে হায়নরকলে। শনজি লিয়েং শলাইথোক কুমজেং লোংখুম ফৈয়েংনবা নমূ তাইবং নিংথৌগী কুমজিং লোইনাই

থক্তো লৈরাংগুম্না ঙাল্লসন্নু শিংঙেলগুম হেল্লসন্নু তাকপিরে লাইয়াম্না। চেক্লা কাক্লা থোংনাং ময়াংচীং লিন্দু য়াংতেকচীং কৈরাও খাদা পানবা লাবু হেক্লগা মকোক্তগী মতু অহুম ফোইডুনা হাওবা লারাক তোনদানবা চংবী লাত্তোন থক্তা হাপ্পুনা খোয়ুম লাইয়ামগী মনাঙগা থাকোংজরে। পোয়ুম লাইয়াম্না নুংশিবিন্দুনা চেক্লা কাক্লী মকোনবী তুসে লেয়া মাঙহন্দনা তলা পামেল শয়িগী উফ থক্তা হলে। চিঙু লাইগী থেজানদগী কুমগী নোংলেন লো হৌরক্তুনা মালেন থগা চুরক্তুনা শয়িগী উফেথনা থগ্নিনা চেক্লা কাক্লী মখুদো পামেল উরংদা য়েংলুনা খুমু য়েন্নিং গুন লৈরাং ওইনা লাংওল্ল লৈখোক্তা লৈনা চোংলুনা শিংঙেল ওইনা শাংলক্লে। শিংঙেল মখোক্লা পিকপনে লৈরাং লৈত্তোন্না পুবনে মালং মাঙদা খাংনদা খঙোল নাঙা লেপঙমদ লোপ্পা হাইনা খঙবগে, শিংঙেল নাউনা মখোইলেল লেমাং কোংলায় মিংলেনা লোইদাম নাউনা লৈরাংনি চেক্লা কাক্লী মিংথংদা লোইনা লৈরাং ক্রকল্লে মিংথোনখি। কাবলৈ মিংথোনদবা লৈরাংগী হৌরকপ লমবু হারবদা রাইনু মোরী থৌদনবী মপূক্লিং পেন্না হুঙাইজখি।

খমন্নুং য়াইদিংকোম্নুনা তাইবং খোংদারক্তিংঙ লাইরম্লেন্দা লৈরিবঙদা খমন্নুং নিংথৌ থোংঙারেল অহনবা লুমলেন লাদা য়েক্কে, তালোয় অতোম্বী ওইগে খন্দূনা থংজবী নুরানি খমন্নুং নিংথৌগী তালোয়শীংদা চম্লিংদা চহী কুমজা খরনং তাইবং চিঙ্গাক চারগা তাইবং কুম্ম য়েংলুগে খন্দুনা খমন্নুং নিংথৌগী ময়াথং লৌরগা নমু তাইবং মীগী মপোক্তা পেংকলকপনি। নুরানা তাইবং খোংদারমদাইদা খমন্নুং নিংথৌগী মশাইকোন্দা লৈরাং চারা অমা থারম্মী। তাইবং চিঙাক চাহুনা নুরা পুক্লিং ওল্লবা, মিংয়েং নত্তবা য়েংলবদি খমনুং লৈরাক্তা থারিবা মপাল ঙৌনা শাংপা লৈরাং পাম্বী অসি লৈশক ওন্দুনা

মপাল মুনা শাংসন্নু হায়না শরি রাশক তেমশিংনতুনা থারম্বা লৈরাং চারা অহু মুরানা পাখং শাম্বা নহা লমগানবগা অপাম নুংশি রাওথুংনসি শরি রাশক পন্দোল লোয়না মুমিত্তগী খণ্ড-হৌদনা লৈরাং লৈচু ওল্লে. শিঙেল মুনা মপাল শাংলক্লে। শিঙেল লৈচু ওক্নপা, লৈরাংগী লৈশক উবনা খমনুং নিংথৌ শাউতুনা মনাওমুপা অতোম্বা কৌরগা " ইশানৌ লৈরাং অতোম্বা! নশাবি ঐগী তালোয়শীংদা চনগে নয়েন অতোম্বী ওইগে খন্দুনা থ.জবী নুরা মানা চহী কুনজা খরদং নমু তাইবং মীগী মপোক্তা পোক্লগা তাইবং বুমৈ য়েংলুগে, নশাবি ঐগী য়াথং লৌরগা মালেম খোঙদাখিবী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নিঙোল লাকপা অঙদগী মমোম ওইনা পোক্লুনা খমনুং য়াইদিংকোম্ন নিংথোন-খিবী নুরা মহাক্তা তাইবং চিঙ্গাক চাতুনা, ফিজেং চকচা হোংখিদনা শরি রাশক পুঙা কাউথোকক্লে। তাইবং মীগী লমচং শাজং মতুংইন্না মিংয়েং নত্তবা য়েংহুনা, রাঙাং নত্তবা ঙাংহুনা শামান নেংমান্না কেগে পাখং অমগা অপাম মুংশি রায়থুংনসি, চিংঙ থাজীং পলেপা, শরি রাশক তেমশিংনবনা খমনুং লৈরাং অসি ঙৌনা শাংলমদগী লৈরাং মুনা শাংলক্লে, শিঙেল লৈচু ওক্লে। হায়নখিবা চহী কুনজা মশীং শুদ্রেবন্নু শরি রাশক কাইবগী মুরাগী য়াইবী মথরায় লৌক্লচো " থৌদারক্লে। খমনুং নিংথৌগী ময়াথং পুরগা মনাওমুপা অতোম্বহু তাইবং মালেমদা খোঙদারক্লে, কেগে লৈবাক তাম্না লাকলে। খমনুং য়াইদিংকোম্ন ইবেম্মা মশাবি মমানমচাগা শরি রাশক তেমশীংনখিবা অরেংনিত্তবা মুমিংকী অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা খমনুং নিংথৌগী মনাওমুপা অতোম্বহু মুরাগী মশাইকোম্বী থুংলরে। মুরা মাবু করম তৌরগা য়াইবী মথরায় লৌসিগে খন্দুনা লোন্না মিকুপ নাহুম শেমহুনা লৈরে। মুমিং অসি মুরা মাদি ঙয়াং খোয়েন মঙলানচান্দা লাইজঔপাক ঔরামবদা

ঈরাক্লহনা মিকপ থোয়রকপা মঙগী পাউবু ঙম্বদা, পলেম মমানা থরাই থোংগাল লাংখোকহন্দনা মোংবা মরানয়াইদা লেংদনা লৈ।

কোরেৌনা কোকতোন রায়রকপা মতমদা, পম্বোগী শুমাং মতোন্দা য়ুংলিবা পোল্লাংগোঙা লংবৌ য়ক্লগা মুবানা মেংপা লংত্থ কৌই। মুরা মাবু শিকুপ নাত্থম শেম্নত্নুনা লৈরিবা খমন্নুং থোংঙারেনগী মনাওন্নুপা অতোপ্পদি লংবোগী পৌ মন্নুংদা চঙত্নুনা লৈরে। য়াইদিংকোন্নুনা লংবৌদা শন্দোক্লনা কৌরিবা লংয়াম অত্থ খোমজিল্লগা লংমা শায়দোক্লনা লং কনবা হৌরকলে। লংবৌ মপুংদা নাপুপ্লনা লৈরিবা খমন্নুং থোংঙারেনগী মনাওন্নুপানা লংবোগী পৌ থুদেক্লগা লং কল্লিবা মুরাগী লরাই কোক্লেন লেনক থক্লা অত্তেকপা পৌনা থাত্নুনা মুরা মাদি মালেম থক্লা অশিবগুম লোংনা তাত্নুনা লৈরে। খমন্নুং থোংঙারেনগী মনাও-ন্নুপানা মুরাগী য়াইবী মথংয় মরি পুরগা খমন্নুং লৈবাক পাংখে। য়াইবী মথংয় অমন্নদি মতোমদা লৈবা ঙমদত্নুনা তুং হংবক্লনি খন্নুনা থগিরক্লে। পম্বোগী শুমাং মতোন্দা পো-ল্লা খোক মথাদা লংবৌনা থাত্নুনা বা ঙাঙবা ঙমদনা অনা লাইপোং ফাত্নুনা নাহেরিবী মমোমগী খোনফমত্থ ইমুদা তরা চাক থোংলিবী পলেম মমানা তারত্নুনা মপান্দা চেম্বোক্লে। মমোম্না শিবা মচেং খাঙনা লৈরম্বত্থ উবদা চেনশিন্দুনা কোনখংলগা ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা, ইমোম নঙবু চিংঙু ফত্তবা কনা থেংনরবগে, খোয়ুম ফত্তবা কনাগী চৈয়াক্লো হায়না মখোল থোক্লা কপ্পলক্লে। পলেমগী মীকপখোল তারবত্থ মুরা মাদি পাউথুম পীবা ঙমদনা মমাবু চিংনা য়েংলগা মুরাগী মিংলু নাপোমদা পিগী ঈরা হৌরকলে! মমাগী মীকপ মীরাউখোল তাবদা কৈরোয় লৈকায়গী মীয়াম চেনশিল্লক্লনা মুরা মাবু মাঙ্গোলদা পুখংলগা ঈরায় লাইকপ্পবা হৌরক্লে। লৈবাকী অখঙ-অহৈ, অমাইবা-অমাইবীনা ইরাং খৌনিজত্নুনা মাঙথুবা য়াইবী মথংয় মন্নিবু কৌশিনবা

ঙমদহুনা অরোইবা য়াহিপ তাল্লমদাইদা মশাবি মমানমচাগী কোলোয় পন্দুনা মখোল থোরা কপ্লবলে। মুরাগী মীকপখোল তাবদা মী থাদুনা পাখং শাম্বা নহা লমগানববু কেগে লৈকায় থুংনা থিবা হৌরক্লে।

লম্লেন য়াইখোং লমদদা ইঙেন থুমপাক শুংহুনা লৈরিবা শাম্বা লমগানবগী খোমলেন মঙম্বা মঙলানচান্দা চিংঙু থাংজীং লাইনা মঙফাওনবিররে। মুরা পাখং অনিনা উকাই হিবু তোংহুনা চংজো মাপা নাইডবা ঈপাক অমা লানবদা ঈয়াংদা মালং মুংশিং অকনবা থেংনহুনা উকাই হি লুপ্পদা মশানৌ মনেম্মচা য়াওখিববু ঈরুপ্তুনা থিবদা থিবা ফংখিদে। মিকপ থোরকপদা নোংঙাল্লমহুনা পাখং মাদি মুংশাথীবনা লবা ঙংদ্রে। খোম্লেন মঙগী পাউহু নমু মীরোল খঙলবা মরোই তাউবা পাউচেল হুইদা তংহুনা মশানৌ মনেমচাবু য়েংঙুচো থারক্লে। পাউচেল হুইনা চেলনা চেলনা লাকপনা মোইরং য়ৌরক্লে। মুরাগী মরানয়াই তান্না চেল্লক্লুনা শুমাং যৌরকপদা মাঙোন্দা মীয়াম্না মুরাবু খরায় লাইকপ্পরিবা পলেন মমানা য়েনখাদা থোক্লুনা মমোম য়াইদিংকোনুবু কৌহুনা কপলিবহু পাউচেল হুইনা উরহুনা তাউবা হুই মাসু মমিংগী মপি তানা শুমাং ময়াইদা লেপহুনা খোংলয়গা মবুঙোনা লৈবা লমদম য়াইখোং তান্না পোখাবা লৈতনা অমুক চেংক্লে। য়াংরৌ শাগী মপোক্পা পোক্লবসু পাউচেল হুইদো মবুঙোদা অরাবা পাউহু তম্লিংবদগী তুংখোং শমহুনা ঈপাক কয়া লান্দুনা শাংলনা লমশাং চেল্লক-পদা য়ারবসু পোথাহুনা লৈথোক্লে খনখিদে। নিংশা শোর থবেং থবেং হোন্দুনা, মরৈ তিংথোক্লুনা, অরাবা খঙদনা, পোথাবা লৈতনা মবুঙোগী মনাক তান্না চেল্লক্লে। মরোই তাউবা হুইবু ঙাইবদা পাখং মাসু খরাই থোঙাল বাংমা লাক্না থোরক্লে। পাউচেল হুইনা চেল্লক্লগা মবুঙোগী মফি চিংহুনা থুনা য়াঙনা

ংলসি হায়রক্লে। মীরোল থোক্লবস্থু মীগা মান্ননা শিংলবা, অরা অনা মশক খঙলবা পাউচেল হুইগী মতৌহ উবদা শাস্ত্রা নহা লমগানবস্থু নুংশা থীবগা লোয়ননা কেগে মোইরাং পাংলক্লে। নিঙোল লাকপা অঙম্বনা মাবু থিরচো থারকপা কেগে তনবা মপা অনিহুগা শাস্ত্রা লমগানবগা ইথাই চৗংখোংদা থেংনরে। মশানৌ মনেম্মচাগী অরাবা পাউবু তাবদা পাখং থম্মোয় পুবা য়ারকত্রে, মরোই তউবা হুইগী মাঙ থারগা চেন্না চেন্না লাকপনা মশানৌ মনেম্মচাগী মনক য়োৗরক্লে। মতম অহুদা হুরা মাদি তরোইবা মতম য়েংরবোই, মমিং অনিহু পাংজবদা মঙাইরে, মীশক খঙলকত্রে মনা তাকত্রে, রাখল মুংবংনরক্লে। য়াইবী থরায়না শমু হকচাং পোল্লাং থাদোক্লমদাইদা, নুরাগী নিংল অনিদো তরংগী লাইজ নিম্বরক্লে। কোলোয় মিংশেনবু তত্তনা শোঙরম্বা মশানিনা নুরা নাক্তা লাক্লবা ফাওবদা হুংশিরবা মশাবিগী চেংলৌ উজরবা মতুদস্থু মখোল থোক্লা কৌজবা ঙমত্রে। নুরাগী মঙ মতৌহু উবদা পাখং শাস্ত্রা লমগানবদো ইকায় ইকি খঙদনা মশানৌবু চেংনা কোল্লগা, থম্বাল মানবী মায়থোংবু চিংনা য়েংলগা মরাইবত্রা হম্না হন্না চুপতুনা নোং খোংবঙম কপ্লক্লে। পাখংগী মখুংনা নুরাগী হকচাংদা নান্নবিবদা নুরাগী য়াইবী থরায় অমা লৈরম্বহু শমু হবচাং থাদোকখি।

মশানৌ মনেম্মচাগী থরায় য়াওবা হকচাং অহুবু চেংনা কোন্দুনা শাস্ত্রা নহা লমগানবদি কপতুনা লৈরে। শাবি শানৌ অনিগী নুংশি লাংওন মতৌ উবদা মী পুম্নমক কপনরে। কোরৌ মানা নেমশিল্লক, মালেম লৈনা মমশিল্লক্লবদা কৈরোয় লৈকায়গী মীশিংনা নুরাগী অশিবা হমচাং অহুবু মালেম লৈতানরক্লি থেম্বদা শাস্ত্রা লমগানবনা থাদোকউ য়াত্রে। নুরা মতোমদা খমন্নুং মপুংয়াইদা চংপা ঙম্মোই, মাগা লোম্বনা লৈরোন চনবিয় হায়রক্লবদা পাখংবু পোক ই পলেম মমা লায়রবীনা কপ লাউহুনা

মপারিবু হন্না হন্না থেমজবস্থু ময়াত্রবদা মীয়াম পূম্নমক রানরে। পাখং শাম্বা নহা লমগানবগী অরেপ্পা রাকম অসি লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগা তাঃরে, মপু মোইরাং নিংথৌদা হঙ্ৎলে। নিংথৌ মাস্থু হায়ফম তৌফম খঙদত্থনা পাখং মানা মুরা মাগা লোয়ননা য়াইবী থরায় থামিন্নসি চিংঙু থাংজীং লাইবু পলেপ্প-হুনা শরি পন্দোল লোয়খৎনিনা শাবি শানৌ অনিগী নীংবা থুংশরসন্ন মপু য়াথং পীবিরকলে। নিংথৌগী সনা য়াথং ফংলবদা শাবি শানৌ অনিনা পুন্না ছিপ্পা য়াবা অচৌবা কূ অমা চল্লগা কূ মন্নুংদা হাপলগা মালেম লৈরোল চল্লে। শাম্বা নহা লম গানবগী তাউবা হুই অহুদি মবুঙোবু লৈরোল চনখিবা লোংফা অহুগী মনাক্তা লেঙদনা চাদ থক্তনমখৈ কুন্দুনা লৈরে। অঙকপা থৌদোক অসি তাবদা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী মীয়াম পূম্নমক কপনরে। শাবি শানৌ অনিগী মুংশি লাংঙন মতৌ হসি য়ুমথোং খুদিংদা রারীনরে, কৈথেল অকা অকুমদা শোন্নরে।

মুরা মশুংলাংগীদমক্তা য়াইবী থরায় থাখৎবা শাম্বা নহা লমগানবগী থরায়না চেক্লাগী শক্তম লোরগা খমমুং লৈংাক তান্না মশানৌ থিবা লাকলে। খমমুং থোংঙারেনগী লৈবাক য়োরবদা মুরাগী য়াইবী থরায় মঙাদি খমমুং নিংথৌনা ফাজিন্দুনা থম-খিবনা শাম্বা নহা লমগানবগী থরায়দো খমমুং লৈবাক্তা চঙফম খঙদত্থনা ককঙাউনরে। মতম অসিদা লমগানববু পোকপা মপা শিনস্থহনবদি খমমুং নিংথৌগী লৈবাক্তা অঙম্বা ওইহনা নিংথৌগী থৌদা পুহনা লৈরি। মপারিগী মতৌ উবদা মোইরাং শিনস্থহনবনা খমমুং নিংথৌদা মথরায় শোকনা হঙ্ৎলকলে। "ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ! মোইরাং শিনস্থহনবা ঐহাক্না ইপারি অমতং তাইবং মালেমদা থনস্থবু মমুং মতম চাদনা করিগী য়াইবী থরায় লৌ-বিরিবনো? নিংথৌ নহাক্কী ননাই ওইহনা চহী কুমজা অস্থক কুইনা লৈজরকলবা ননাইবু মুশিবিত্রবর? পারি মানা খাংঙ

থক্তা ম্নাইবী মাঙলবদা মাবু পোকপী মরাইবকথীরবী পলেম মমা লায়রবীনা করম্না তাইবং মালেমদা হিংতুনা লৈবা ঙমগদগে” শিনস্নুহনবা অঙম্বদি মথরায় নুংঙাইতবনা মালেম লুরুক্না কপ্পুনা লৈখে। মদাইরেম অচানবা শিনস্নুহনবগী মপুক্লিং নুংশিবা রাতু তাবদা খমনুং নিংথৌ থোংঙারেন অহননা মনাইবু থেমজিল্লক্নে। শাউখিন্নু অঙম্বা, ঐনা ঙম্মী খন্দুনা নপারিগী ম্নাইবী থরায় লৌবা নত্তে, মশানৌ কায়না মৈচাক্না নপারি মদোম ম্নাইবী মাঙজবনি। খমনুং নিংথৌনা হৌখিবা থৌদোক রারী কম্নাতু লীতুনা মনাই শিনস্নুহনবদা তাহল্লে। মোইরাং শিনস্নুহনবা অঙম্বনা মঙক্তা মফি য়েৎতুনা মখুৎ লোন্নতুনা মপু মাগী মফমদা নপারি মমৌ অনিগী ম্নাইবী থরায়বু চরৈ ফিগাউ শানা নিজরকলে। লুনা চান্না থমজবা মোইরাং শিনস্নুহনবগী রারিবা মথরায়দে পেলহনগে, মানা পাম্লিবতু পীবিরগে খল্লতুনা, খমনুং নিংথৌনা নপারি মমৌ অনিগী ম্নাইবী থরায়দো কৌরগা তাইবংলেন্দা অমুক হঞ্জরো, তুংঙাই ম্নাইবী মরাং কায়না পাঞ্জরুরো থৌদারে।

মপুগী থৌজাল ফংলবদা শাবি শানৌ অনিগী ম্নাইবী থরাইনা মালেম লৈবোন চনখ্রবা হাংলবা হকচাং পোলাংদা চঙবদা তুমলুরগা মিকপ থৌরকপগুম হিঙ্গৎলক্নে। মালেম লৈরোন্নংদা, কু মম্নুংদা শাবি শানৌ অনিনা রারী শারিবতু অহীং নুংথিল খাক্তনা মোংফমদা কূন্দুনা লৈরিবা পাউচেল হুইনা তারতুনা খোংলকলে, মখুৎ অনিনা মোংফম অতু খোংলকলে। শিংলবা পাউচেল হুইনা চেনখিহনা নিঙোল্লাকপা অঙম্বগী মফি চিক্কুনা মোংফম তান্না চিংহনা পুরক্লগা মোংফম অতুদা অমুক খোংপা হৌরকলে। হুইনা খোংল খোংলগা মোংফম খোংপতু উবদা লম্বীদা চৎপা মী পুম্নমক লেপতুনা য়েংনরবদগী মোংফম তান্না চঙশিন্নরকলে। মোংফম অতু লেংবগুম উরতুদা মীয়াম

হোৎচিন্দুনা, মেংকম খোংতোক্লুনা, কু ফুক্লোক্লুনা য়েংবদা শাবি শানৌ অনিদু হিঙ্গংলম্লে। পাউ অসি মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই ইরাং তেলহৈবদা হঙ্গংলুরে। অঙকপা পাউসি তাবদা নিংথৌ মশাক লাক্লুনা য়েংলরে, মখোয় অনিনা নিংথৌবু খুরুমলে। শাবি শানৌ অনিনা মালেম লৈরোল চংখিবা মংলেন অদুবু মকুপুং থোল্লে। মাঙলুরবা য়াইবী থরায়না তাইবংদা অমুক হল্লক্লবা শাবি শানৌ অনিদো অরাং অপা লৈতনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কাযনা চহী খরা পাল্লম্লগা মপারি মমোম শাত্তনা তাইবং থোদা লোইদুনা কোরৌ নোঙ্গামিন্নখি।

চকপ্রম য়াইনু ফিশাহৈবী—
ব্রাংলেন পুংদিংহনবা

কেগে মোইরাং লৈকোয়বুংদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী সনা মহাকথক্তা খোকখিবা তুংশি শাইওনগী রারী কয়াবু রাইনু লাবা পোংমহনবা কদনবনা মথংশিংনা লীবিদুনা তাবা ফংজবদা রাইনু থোদনবীদি নুংঙাইবগী ওমথৈ লৈখিদ্রে, তাবগী পেনবা নাইখিদ্রে। কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মৈন রাই তাংনা শমহৌব পুরিংলাই লাইফাচেং অতেংবগী সনা মহাক থক্তা মপুগী থৌজান্দগী মাঙ-ফংবা শাবি শানৌ অনিগী য়াইবী থরায় অহনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা অমুক হায় শাইওন খোঙদারক্লে। কেগে খুন্নক্তা লৈবা মোইরাং ভাংলৌলাকপা অঙম্বগী মপারি ওইনা শাইওন্দুনা ব্রাংলেন পুংদিংহনবা কে লোয় মিংথোনবা মপারি অমা ফংজরে। মোইরাং নিঙোল্লাকপগী মগাহৈদনা মমোম অমা ফুইরে, কোলোয় মিংলেন্না চকপ্রম য়াইনু ফিশাহৈবী কৌরে। অহুম্মা শাবি শানৌ

অনিনা অমুক নৌনা নুংশি শাইওন খোঙদারক্লবদা কেগে মোইরাং লৈবাক অসি মরা তপনা পাল্লে, চাকহোং ঙাহোংলে, নিংথৌ পুক্লিং খোম্বদা লৈত্তারে। মোইরাং ঙাংলৌলাকপা অঙম্বগী মপারি অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পুং তিংবদা মমিং চৎলক্লে। নহা ওইনা পুং তিংবা হ হায়বগী মাগী মমিংবু ৱাংলেন নহা পুংদিংবা কৌনরে। মানা তিংবা পুংনা মী অতৈনা তিংবা পুংদগী পুংখোল তাবদা নুংশিবা, হৌবা হেল্লি। মরম অসিদগী অংম অথৌ ময়াম্না তাম্নরগা কেগে লৈবাক্কী শাবাউ লানবাউ চেম্নবগীদমক্তা কংলাগী পুংজাউ অমা তিংসি ঙাঙনহনা ৱাংলেন নহা পুংদিংববু তিংহল্লে। কংলাগী পুংজাউ তিংবদগী কেগে নিংথৌ পুরিংলাইনা ৱাংলেন পুংদিংহনবা হায়না নৌনা কোলোয় মিংথোল্লে।

কেগে খুনখাদদি নিঙোল্লাকপনা মনুং মতম চাদনা কোরৌ নোঙ্গানখিবনা নাংতোম শাংগী মমোম চকপ্রম ঋাইনু ফিশাহৈবীদি পলেম মমা লায়রবীনা নাউয়োক নাউকোন্দুনা য়োকলকপনা শেংপা চাবা মনীং থুংদনা লৈশাবী কাংদোং ফারক্লে। পলেম পল্লৌ পুংপাং শুনা য়োক্লবী চনু নিঙোল ওইরবসু নুরাগী চেংলো শক্তম, শাওং-শাদা ৎেংবদি বেগে মোইরাং লৈবাক্তা অতাঙবনি! নিংথৌগী মজাইবেম্মনি, অমত্তা পোকপী মমোল্লি হায়বদা মতিক চপ চারবী নিঙোল্লি। মহাক্কা ঙৌঙথোরকপা ৱাঙাং, তৌথোরকপা থবক শুদোরকপা শিলম শিন্থা নুজা ওইবীশিংনা তমজনিংঙাইনি। মহাক্কা লোন্দুনা শাবা চরৈ ফি য়েংবদা অঙকপগী মশক্লি। লুরবা লাইজ ঈপাক্তা ঙান্নু থঙ্গোং মচানা শানবা ঈরোই তমহনা শাম্নবহ চরৈ ফিগী ফিবুমদা মচু কয়া হৎতুনা শারিবা ঙান্নু থঙ্গোং মচাশিং অহ লাইজ ঈপাক্তা পুথবিরবদি মতোমদা ঈপাক তমনা ঈরোইহনা চৎথিগদবোই নীংই। অসুম্না মখল মথেল লাইনা মচু মমেল কয়া

হংভুনা শাবা চরৈ ফি অসি কেগে মোইরাং লৈবাক্কী অঙম অথৌ, ফম্লাইবা পুন্নমক্না মভিক চাবা মমল পীদুনা লৈনৈ। অসুম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী মীনা শাবা ঙম্নদবা চরৈ ফিবু শাবা ঙম্মী হায়বগী খুরাগী কোলোয় মিংলেনসি চকপ্রম য়াইন্নু ফি-শাহৈবী হায়না মীয়াম্না খঙনখি। চকপ্রম য়াইন্নু ফিশাহৈবীবু চেংলৌ মশক খঙদ্রনম্থ খুরাগী কোলোয় মিংলেন্দি মোইরাং খুন্থক খুনখা কেগে লৈকায় নিপালদা লৈবা চন্নু নিঙোল মৌ পুন্নমকনা তারম্মী। অদোম্না শাবা মমল য়াম্নবা চরৈ ফিবু পলেম মংনা কেগে খুয়োন কৈথেন্দা য়োল্লগা মমা মচাগী শেংন চানবা মফি মরোল, অচা অথক লৈদুনা পল্লকপনা নোংম নোংমগী অমাং অপা লৈশিল্লক্রে। শেংপা চাবদা মমান্নবগী মীকোক থোংবা ঙমদ্রবস্থ মনীং খুংনা শেংচবা, মখা তম্না চাজবদি ফংজরে। মথক্তা মবুং পোক্তবা, মথাদা মনাও তাদবনা, মনা মচা অনিদো কেগে কন্নক চাউবা মোইরাং মীহৌ কনবা মীরক্তা মতু শোম্না পানজে। শাগে নাইতে কৈরোয় লৈকায় মমান্নবা কনানস্থ মমা মচাবু থওইহিদে।

য়োইমনাই ত উদল তঙানবনা নোংমগী থৌদাং লোইরহুনা লিরা লিগুম তোম্না হুন, লানদ লিগুম খোই খোইনা ময়ুম থোংনা পাং নোংচুপ চীংখোং তম্না অঙানবা নেম নেম কুম্নকপা তমম্না কোরী চেন্নকপা মালং মুংশিং নামিবা হঙ্গোল হকচিক লাংলকপা মুমিংদাংবাইরমগী মতমদা বাংলেন পুংদিংহনবনা লোইবী হাওখুন্দগী পুং তিংননবা শউন শাবুম অমা পুরগা ময়ুম মায়কৈ পাংলকপদা শানৌ থম্বাল মানবী চকপ্রম য়াইন্নু ফিশাহৈবী ইবেম্মস্থ উতি শমখোং তেং চেংহী শম্বাল লাংহুনা খুগা নাম্বী হাশমচেংনা শমাং মপুম খিদুনা হাংলবা খুরাগী শাইনোল থাদা কৈরাং নাচোম থেংভুনা মথুংতা পুল অমা পায়রগা খুবেলগী হিদেন তম্না ঈশিং শোকপা লাকপদা কেগে

শোরোক য়াংবীথক শ বি শানৌ অনিদো শক্তা শক্তা উনরে। উনবমক্তা চিংঙনা পুনপ্রবা লৈপুলনি, খোয়ুম্না য়োমথ্রবা খয়ো নিনা খশ্নোদা অপান মুংশি ঈথৌনখি। শজি মিংতা ঙক্ষবী চুংশি মিংয়েং মুংঙনবী মুরাগা মিংচান্নরুবদগী পাখং পুংদিংহনবদি মখেং থাংহুনা চংপা ঙমদ্রে, মুরাগী মায়খোং খগালদো মমিং কুপ্তবমখৈ য়েংহুনা লৈরে। লৈপুং রাঙুম তানাপ্প', ফিরাল রাঙুম তাংজুম্বা লোকসি লোকমায়দা হৌবা তলা নাচুম্বা পমেলগুম্বা পাখং মাবু উরুবদা ইকায়খিবী মুজা ওইরীদো মিংচান্নবা য়েংজবদি ঙমজদা মালেম লৈদা লুক্কনা ঙাতেল মচিল মাল্লবী খোংবীনা মালেম লৈদা তক্কনা মিং-চিনদি হুনা হুনা য়েংহুনা ইকায়বা খাঙজে। মিকুপ খরদং য়েংনরুরগা বাংলেন পুংদিংহনবনা মুরাগী কোলোয় মিংলেন হংলকলে। পলেম পম্বৌগী অমত্তা পোকপী চমু নিঙোলনি, কোলোয় মিংলেন্না চকপ্রম য়াইমু ফিশাহৈবী কৌই হাংরয়গা থুনা য়ানা হিদেন তানা কুমথখি। পাখং মাসু কেগে মীনোক কিবদগী মোংবা মরানয়াই পাংখি। ময়ুম ময়ুম য়ৌনরগা শাবি শানৌ অনিদো পূক্লিং লৈতানা লৈবা ঙম্রে, চাবা থকপা হাওফম থংদ্রে। পাখং পুংদিংহনবনা মুরগী নাক্তা চংতুনা শকথঙ মায়শঙনরুগে মুংশি কোলোয় মপাউ মেন্নরুগে খনববু ঙসি চংকে মঙমদে হয়েং ঙাইহুনা মতোকই, হংচিং মশেন মরাকই! মুরা ওইবী মহাকসু পাখংগী য়ারা মপাউ তাজনিংবনা থবক শুবা নোম্বা খোয়জংদ্রে। অসুক্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা লোইদাম থাবম ফাজিনখ্রে।

নোংমা মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই লাইফাচেং অতেংবনা কংলাগী থৌপুবা লোয়শঙ মচা থারক্লুনা বাংলেন পুংদিংহনববু সনানাক্তা কৌথংলি। কেগে মোইরাং লৈবাক অদি অরাং অপা লৈতনা মুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পায়নবা কেগে কনা

খংহন্দ মোইরাং কনা উহন্দনা পুং মচা অমা তিংঙ, সনা য়াথং পিবিরে। মপু মোইরাং মিথৌনা পীবা পামেল উকক অদুনা পুং মচা অমা তিলে। পুং অদুগী মমিং য়াইপুং থোল্লে। য়াইপুং অদু হান্নগী বংলা পুংজাউগী মনুংদা চেকশিংনা হাপচিল্লে। য়াইপুং অদু হাপচিনবা কোরৌ নুংশিৎতগী কংলাগী শাবাউ লানবাউ চেন্নবা থন্বা পুংজাউ অদুগী মমিং কংলা য়াইপুং মমিং থোন্দুনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমখে। কংলা য়াইপুং পুংখোল অসি হান্নদগী শবক তবা হেন্না হৌরে; পুংখোল অসিনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তবুং তাবদা নওনা লমলোন্নবা খুমন লুরাংনচিংবা চীংবুরোই তম্বুরেই পূন্নমক শিনবা থুংনা তারে। কংলা য়াইপুংগী পুংখোল তাবদা মপুগী পাম্বনা উলগোইনুং পেনবিরবোই মদাইরেম রাংলেন পুংদিংহনববু কংলাগী য়াইবুং হঙবা হাপপিবে। পাউ অসি তা দা তঙনা অথৌ ফম্নাইবা পূন্নমকসু হরাওনরে। শাইওনগী রারী তারিবী রাইনু অমোম মোরী থৌদনবীনা মশাবি কদনবা য়েংলগ, "শাবি ইবুংঙো ঙাইবিখো। রাংলেন পুংদিংহনবনা তিংলিবা য়াইপুং বৌবা পুং মচা অহনা হান্নগী কংলা পুংজাউগী মনুংদা হাচিল্লগা য়েবদা হান্নগী পুংখোন্দগী শরুক তরা হেন্না হৌডুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নওনা লমলোন্নবা খুমন লুরাং চীংবুরোই তম্বুরোই শীনবা থুংনা তাই হায়রিবা য়াইপুং মচা অসিবু করম্বা পুংনো? য়াইপুং মমিং থোল্লিবা অসিনা করিগীনো? পুং অসিগী মরমদা ননাওদা শুগায়না তাকপিয়ু" হায়রকপা মশানৌ মনেম্বচাগী চিংনরিবা রাফম অদু কোকহনগে থল্লহনা রাইনু লাবা কদনবনা য়াইপুং মচা অহুগী হৌরকফম রারী অদু অমত্তা চিথদনা মথং শিংনা লৌবিরকই।

অদুডৈ কুমজা অমদা যেন্দো নিংথৌ শোরাবগী মচানুপী মশক মতৌ চঙখোনবী থংমাইলৈমানা তরা চয়োম পুরগা নুমিৎ

খুদিংগী মতোংদা মপাগী পান্নৌদা পাম য়ানবা চংলি। নেং-মদি মানা পাম য়াহ্লি ভদা লাক্টনিংখৌ নোংদ্রেন পাখংবনা নমু তাইবং মীগী মশক লৌবগা লোইবী হাও পাখং শাহুনা চংর ভবোং খাওনহুনা মখুত্তা য়োংলেন অমা পাইরগা নুরাগী মাংদা লেপলবে। পাখংবনা ওহ্নিবা লোইবী হাও পাখংগী মশক উবদা নুরা থম্বাল মানবী থংমাইলৈম ইবেম্মদো থবক শুবদা খোয়জংদ্রে পাখং মাবু লোংঙা য়েংলম্মদগী পেন্দহুনা পাম য়ানবা লেপলগা নুরা পাখং অনিদো মমিং কুপনদবমখৈ য়েংনহুনা লৈনবে, বানি হৌদোক্লবা ভন্নদে। ভাহাক য়েংনরগা পাখংবনা, “ ইবেমা নহাকপু চনু নিঙোন্না, মৌগী শীংদা চন্নব্রা পলেম পম্হৌ কনাগী মমোমনা, কোলোয় মিংলেম্না করি কৌবগে, লমদম বেদা লৈংনো ” হংলকলে। পাখংবগী ৱাহু তাবদা থংমাইলৈমনা ইকায় ইকি ভুংওইনহুনা অপনবা লৈতনা পলেম পম্হৌগী কো-লোয় তাকলে মশাগী মমিংস্নু হায়রে। থংমাইলৈমানস্নু পাখংগী কোলোয় মমিং হংলকই। “ইবেম্মা ভসিদি ঐগী কোলোয় মিংলেন তাকখিরোই, নহাক্না ঐবু থাঙ্গৈশেংনা নুংশিবিরে খঙবা নুমিৎ অদুদা ঐগী অশেংবা ইমিং লৈফম তাককে ” হায়রক্লে। পাখংবগী ৱাহু তাবদা থংমাইলৈমনা, “ইবুংনা ঐবু নুংশিবি নুংশিবিদে খঙননবা ঐনা নুমিৎ খুদিংগী পুরক-লিরা তরা চয়োম অসি চামিন্নরবদি ইবুংবু ঐনা নুংশিজবা ভনগনি পুক্নিংগী অশেংবা পাউথুম পীজগনি” খুম্নকলে। ঐদি নহাক্না পুরকপা তরা চয়োম অদু চাবা য়াদে। ঐবু চাউ হায়ররবদি তরা চয়োম য়োম্বা মতমদা তিলহৌ চনম য়াওহনগনু। চেংহী শম্বাল লাং উতি শমখোং তেংহুনা শেংনা ঈরুজরগা ফিশেং শেৎহুনা চংবী লাতোন্দা তরা চযোম য়োন্নকউ, হ্নাগে হায়ররম্নগা পাখংবদি খঙহৌদনা মাঙথোকক্লে। ‘ লোইবী হাও পাখং শাহুনা লাকলিবা পাখংববু উরুবদা থংমাইলৈমা ইবেম্মা

মুবা পূক্লিং হুখ্‌্রবোই, মযুমদা হনগনি কাউখ্রে পাম য়ানগেসু নীংখিদ্রে পাখং মাগী ৱাখল ঈবেন্দা তাউহুনা লৈখ্রে। কো-রৌনা নারল ৱায়শ্লিমক্লবা মালেম্না নমশিল্লক্লবদা থংমাইলৈমা ইবেম্মা মোংবা মশাইকোন পাংলকলে। অহীং চুপ্পা মুরা ওইবী মহাক্তি খোমলেন শাংনা যাতাবা য়াদ্রে, পাখংগী বাঙাং অহুদা তাহুনা লৈরে, মুংশি শক্লম অহুদা উহুনা লৈরে, অচাওবী মীগী মতৌগুমলে, মচিন্দা মুকম মুকম শোল্লক্লে। হুমিং অহুদগী থংমাইলৈমদি তিলহৌ চনম চাদ্রে, পলেম মমাদা মাগী য়োম্বা তরা চয়োমদা তিলহৌ চনম হাপপিগন্নু, চংবী লাতোন্দা য়োমবিয় হায়বকলে। মযোমগী পুকচেন ওনবা মওং মতৌ অহু উ দা মানা ঙাংথোরকপা ৱাঙাং তাবদা পলেম মমা ওইবীদো মপূক্লিংদা চিংনবা পোকলে, খোযুম যত্তবা কনাগুম্বনা মতোমগী পায় া পূক্লিং ওনহনবনো খহল্লে।

নোংঙাল্লগা মমানা চনম মনাও পিশকঅমা কুপনা মেং খায়হুনা চাক মরক্তা হাপচিনগা চংবি লাতে'ন্না তা চয়োম য়োম্নগা মমোমদা শিল্লরে। থংমাইলৈমদি খঙদবনিনা মমানা য়োমবিবা তবা চযোম অহু পুবগা মপাগী পামলৌ তাম্না লাক্লনা পাম য়ানবা হৌরবলে। নুরানা পাম য়াল্লিঙদা পাখংবনা ওনবা লোইবী হাও পাখং অহু থুংলরে। "ইবেম্মা থংমাইলৈমা, পাম য়ানবদা ৱাররিগনি, ঙাহাক্তং পোখাখিসি লাউ" হায়রকপা পাখংবগী ৱাহু তাবদা থংমাইলৈমা পাম য়ানবা তোক্লনা পাখংবগী মনাক তাম্না লাক্লগা মখোয় অনি পামেল উজাউ অমগী মখোংদা ফম্মিল্লরে। থংমাইলৈমনা ছমদা হাপ্তনা পুরবলিবা তরা চয়োম অহু পুখোকলপা চাম্নিন্নসি হায়রক্লবদা পাখংবনা হাবী চয়োম অসিদি চনম য়াওই ঐ চাবা য়াদে, নহাক্না লোক্তগী শোক্লকপা লাইজ ঈশিং অহুদি থক্লে হায়ববলে। পাখংবগী ৱাহু তাবদা থংমাইলৈমা ইবেম্মা

ইকায়বনা তরা চয়োল হাংদোক্লুনা কদায়দা চনম য়াওবগে হংজরকলে। পাখংবনা ওল্লিবা লোইবী হাও পাখং অহনা তরা চয়োম মন্নুংদা য়াওরিবা চনম মচেংশিং অহ চৈনা খোংতুনা লৌথোক্লে। মতু উবদা নুরা মহাক্তি ইকায়বনা শকওল্লে, নুং- ঙাইতবনা খোয়শাউরে। মহাক মশানা শোকচবা উতোংগী ঈশিং অচ লান্নতুনা থকমিন্নরক্লে। পাখংবগী মওং মতৌ উবদা নুরাগী মপূক্লিংদা চিংনহুনা ইবুং ঙসিদি নচলদ অশেঙবা তাক- পিয়ু. ঐবু পোকপা মেন্দে নিংথৌ শোরাবক য়ম্মা শাউগল্লি। ইবুংগা ঐগা পান্নৌদা নুমিং খুদিংগী উনবা পাউসি তারবদি শোয়দনা ইপা'না ইবুংবু হাংলরগনি হায়রক্লে। থংমাইলৈমগী রাতু তবদা পাখংবনা, ইবেমা মহুগীদমক্তা নুরাগী পূক্লিংদা চিংনরবদি হৌজিকমক চংতুনা নপা ইবুঙো মেন্দে নিংথৌ শোরাবগা উন্নরুসি হায়হুনা থংমাইলৈমবু মাঙ থাতুনা পুরক্লে। মেন্দে নিংথৌগী পল্লোং য়ৌবদা পাখংবদি পল্লোংদা কেপতুনা লৈহৌরে, থংমাইলৈমনা ময়ুমদা চঙখ্রগা মপা শোরাবদা তাক- নুরে। পাউহু তাবদা শোরাবা য়াম্না শাউরে, হাংবুং য়েহুনা মরোই হাংয় ম খোম্নগা মখুত্তা থাঙ তা, খুংসু খুংলায় পায়হুনা মেন্দেগী পল্লোংদা ফমহুনা লৈরিবা পাখংববু ফাগদবগী হাওয়াম্না লাউ-খোংহুনা চেল্লোরক্লে। থাম্বী মৈবুলগী মতৌগুম্না লংবা লোইবী চীজাউগুম নিল্লিনা পাখংবগী মশক য়েংবদা নুংশিবা অমদি অকিবা পোকপা মওং মতৌহু উবদা লোইবী হাওয়াম পূন্নমক কিহুনা চঙশিননা ঙমদনা কেপতুনা লৈনরে; মখুত্তা পায়রিবা খুংসু খুংলায় পুম্নমক থাজংপা ঙমদনা মতোমদা মালেম থক্তা তাজরে। অঙকপা মতৌহ উবদা হাওয়াম পূন্নমক কিহুনা ফমথরে, মেন্দে নিংথৌ শোরাবসু মঙক্তা চরৈ ফি য়েত্তুনা চঙশিল্লগা খুরুমলে। "হে শকখঙদবা চিংঙু খোয়ুম লাইও! মহাক্তী নশক নমিং খঙদবনা মেন্দে ঐখোয়না খুংলায় পায়রগা

লাম্লেংনগে থল্লবনি, ঐখোয়গী ইরান ঙাকপিয়ু” হায়রকপা মেন্দে নিংথৌগী রাহু তাবদা পাখংবনা মোমোন নোক্লগা “মেন্দে নিংথৌ শোরাবা! হয়েং ইপুং ঙানবদা নঙগী ইংখোল চাই-গোইরুংদা ঐ ফাওরক্কে, ঐগী ানবা তাউজিং হৈরাং লাংলম্মু” হায়রম্লগা পাখংবদি মফম ইখঙ খঙহৌদনা মাঙখোকপে।

থংমাইলৈমা ইবেম্মা মবুঙোগী রাখলদা অঙাউবীগী পাংখক ওইরে, চাগনি থক্কনি কাউখে, অহিং তুম্বা য়াদরে। মবুঙোগী মশক অয়ুক হন্না উত্রিবমখৈ করিমত্তা চাররোই থক্রোই রা-শকলে, মরা পুক্লিং লেপচরে মবুঙো লাকপা ঙাইহুনা লৈরে। অহীং অতু লেল্লগা নোংঙানবদা মেন্দে নিংথৌনা উাহ রাহৈ, হৈরাং লৈরাং কয়া হেক্লুনা অংেনপোং শেমহুনা থম্রে। থং-মাইলৈমনা ঈশিংখোংদা কুমহুনা মকোক মরু তুমখোক্লনা ফিশেং শেংহুনা মবুঙো উনগদবগী ঙাইহুনা লৈরে। খঙহৌদনা মেন্দে নিংথৌগী শুমাং মতোম্দা শুরুং ফাওরক্লুনা নমু তাইবং মীগী মশক লৌরগা পাখংবা থোরক্লে। পাখংবা উবদা মেন্দে নিংথৌ খুরুমলে, হৈরাং লৈরাং অথেংপোং পুখোক্লুনা কংলে। থং মাইলৈমনা মকোক খুমহুনা মাঙ্গোলগী উখোকতেন্দা ঙাহুনা মরু লুক্লুনা মমিত্তা তরংগী লাইজ শিন্দুনা লৈরিবতু উবদা পাখংবনা মোমোন নোক্লুনা, “ইবেম্মা থংমাইলৈমা! নয়ুমদা লাক্লগা ঐবুদি কৌদনা করিগী লেপতুনা লৈরিবগে? লাউ ঐগা হৈরাং চামিন্নসি, লৈরাং ময়াম অসি চিমমিন্নসি” হায়রকলে। মবুঙোগী য়াথং ফংলবদা থংমাইলৈমা ইবেম্মা মবুঙোগী মখোঙ কোন্দুনা ঙাকপিয়ু অপংবী মুজানি হায়জরক্লে। মুমিৎ অহুদা মরোই হাওরামগী মমাঙদা মেন্দে নিংথৌ শোরাবনা মমোম লাংলেন থংমাইলৈমাবু থরাই থক্তা লৈহাল্লা, লৈরোং লাইদা কংশঙুম পাখংবদা কংলে। মাগী ইংখালদা শঙ অহনবা অমা শারগা মহুদা মমোমগা পাখংবগা থমলে। লোইদাম খাবুম

অমা চুপনা মেন্দে নিংথৌগী ময়ানয়াইদা লৈরমলগা পাখংবা হনখি। মদুঙোগী থৌজান্দগী থংমাইলৈমা ইবেম্মা তাউজিং মরু পনখিবা হৈরাং মমি তম্লকলে, লোইদাম থাবুম তর মপুং ফারকপদা সুংশিরবা মপারি অমা ফংজরে। মপারিগী কোলোমবু শারাবা নিংথৌরম্লে। মপারি শারাবনা পাখং শরেপ ফারকপদা মপু নিংথৌ শোরাবা নোঙ্গাখিবদগী মপুগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা মেন্দেগী নিংথৌ ওইরে। মান নিংথৌ হেক ওইবগা পলেম মমা থংমাইলৈমাদ্যা মাবু পোকপ পন্থোগী চেংলৌ মশক থঙগে, লৈকম ত.কপিয়ু তক্লরকলে। মচাগী বাহু তাবদা পলেম মমা থংমাইলৈমাদি অরাবগী ঈপান্দা তারে। করম তৌরগা মপা মচা মশক খঙনহনসিগে খল্লুরদা মুজা রাখল থোক্তনা রারিবতু নবুঙো পাশংবনা উরদনা ধ্বজাগী খোয়েন মঙলানচান্দা লাক্তুনা হয়েং ইনুং রাঙারবগা কাইরে য়েনখোং তরা ঙমদ্রিবা য়েনাউ হঙোবা অমা য়েনবোন্দা হাপ্লগা হাওরে খা পাংনা নপারি থারবউ মঙক্রাওনবিরক্লে।

পলেম মমা থংমাইলৈমানা নোংঙাম্লগা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা কাইরে য়েনখোং ঙমদ্রিবা মরোল শেংদ্রিবা য়েনাউ অঙোবা অমা য়েনবোন্দা হাপলগা হাওরে খা পাংনা মমা মচ লাকই। থরা চংলপা য়েনখোন মতুংদা য়াওরিব্য য়েনাউ অতু চোংথোরক্তুনা মালেম থঙা তোংগা ক্রে ক্রে কে খোংলকপদা মপা পাখংবা খঙহৌদনা চোংথোরক্লে, মপা মচা উদরে, চেংলৌ শকথঙ মায়খঙনরে। পাখংবনা মপারি শারাবদা সুংশিনা নান বিরে, পুকনেন পাওমেমবিরে। মপারি ইকুঙো নহাক্লা নপুগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা মেন্দেগী নিংথৌ ওইরখনিনা নপুনা লৈরম্বা যুম অমনবা অতু থুদেক্লগা, অনৌবা যুম অমা শারগা লৈয়ু। নহাক্লা শাগদৌরিবা য়ুংজাউ অতুগী শাঙবু লোই অহুম অহু ইপানা ঈগনি। নহাক্লা ওনিদগী কোরৌ হুমিং মঙালি গুবদা

নপু মেন্দে নিংথৌগী পামদা খাঙবু য়াবা লাকউ" হায়রম্লগা পাখংবা মাঙখে। থংমাইলৈমনা ঃপাবি পুন্নুনা মগুঃদা হন্নক্লে। কোরৌ হুনিং মঙানি শুবগী অয়ুক্তা শারাবনা মবোই মেন্দে হাও পাখং তরামঙা পুরগা মপুগী পামদা খাঙবু লোই য়ান্নবা উজাউ থিবদা ফংদন্নুনা অহৌ অহু পামদা লেকলে। ইমু চবুক লোন্নকপদা পাখংবনা লাক্লগ মচানুপাগী মমাঙদা খাঙবু লোই হৌরিবা উফম অহু তাকপিরে। নোংঙান্নগা শারাবনা মবোই হাও পাখংগা লোয়নন্না মমঙদা মপানা তান্নম্বা উকেন তান্না লাকপদা পাখংবনা শাইগুনবা পামে উজাউ নাচুম্বা মখোঙ মতোন চপ মন্নবা খমত্রংনা হৌরিগা উজাউ অহুম অহু উরে। শাবাবনা ময়াই থংবা উজাউ অহুদা শিজংনা থাদুনা থাঙফম হকপদা শিজংদা ঈখেং পকলে থাংফমদা ঈ শিন্থরক্লে। মহু উবদা শারাবা শিজং থাবা হমদন্নুনা উজাউদা থুকমলে। মহুদা শিজংনা অয়ুক হন্না থাবদা ঈ থোক্লে। অহুদগীদি মবোই হাও পাখংগা লোয়নন্না খাঙবু লোই অহুম অহু য়ান্নগা চিংহুনা ময়ুম তান্না পুবকপদা হুনিং তাথোক খিহুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মেন্দে খুলগা তাইনগা লম্লেন তরাংযাইদা উ অহু কাইহুনা অহৌং লেকলে। নোংঙান্নগা উজাউ অহুম অহু চিংগুনা লাবপনা মেন্দে মশাইকোন য়েবে। লোইবী হাও খুংহৈব কৌখংলগা ফজরবা য়ুমজাউ কা মাপল শারে। পাখংবনা শাইগুনবা খাঙবু লোই হাঙ্গা য়ুমজাউ অহুদা লৈবা হৌব হুমিজগী মেন্দ নিংথৌ শার বদি অরাং অপা লৈতনা পাল্লে। মহাক মশা মতোমদ মুংঙাইবা নত্তা মেন্দে খুল অপুম্বম্ মুংঙাই যাইবী মরাং কান্নবা পাল্লে, অরাং অপা লৈত্রে। অহুম্না পান্নকপনা চহী ওন্নকপদা পলেম মমা থংমাইলৈমদি নৌঙাখে। মনা থংমাইলৈমনা লৈখিদবা চহী অহুদা মশক মত্তৌ ফজরবী মখোম অনা ফজরে, কোলোম মনিংনা হাইমু

চানবী থোগ্নে। মশক মতৌ ফজরবী মমোম লাংলেন্দো নোংমা নোংমগী চাউশিল্লক্নবা লৈশাবী কাংদোং কায়ক্লে। মতম অদুদা মশক ফজবদা মমিং চংলবী হাইন্নু চানবী হুজাগী পাউ অসি কেগে মোইবাং লৈবাক য়োয়ক্লবা মপু মোইরাং নিংথৌ পুন্নিংলাই লাইফাচেং অতেংবগী সনা নাকোং য়োরে। নিংথৌনা মোইরাং লৈবাকী অঙম অথৌ থাহনা মেন্দে নিংথৌ শারাবদা মমোম লংলেন হাইন্নু চানবী থাজবো হায়রুবে। মেন্দে নিংথৌনা অমত্তা পোকপী মমোংবু খবাই থক্তা লৈহাওা, লৈরোং লাইদা কংপগুম মোইরাং নিংথৌদা কাওবন ষণগেন থন্না তরেং ফৌগৈ চোন্না অওং অউন তমহনা থাজরে।

চহী কুমজ্জা ওন্নকপদা মোইবাং নিংথৌনা মশানৌ হাইন্নু চানবীদা মকু মেন্দে নিংথৌ শান্নাবনা অৱাং অপা লৈতনা নুংঙাইনা পাল্লিবা অসি করিদগীনো হংলক্লবদা মপাগী কা মাপল শাংবা য়ুমগী য়াঙদা হাপলিবা খাংগুবু লোই অহুম অতু অচম্বা উ নত্তে, মতুগী মপান্না ইপা নিংথৌনা অৱাং অপা লৈতনা, পানবনি খুলজা নুংঙাইবনি হায়রক্লে। মশানৌগী ৱাতু তাবদা নিংথৌগী পায়না নুংদা লাংতক্লবে। নোংঙানবগা মোইরাং নিংথৌনা মশানৌ হাইন্নু চানবীদা মপাম মেন্দে চাঁংদা চক্লনা অপা নিংথৌগী য়ুমজাউদা হাপ্লিবা খাঙবু লোই অহুম অতুগী মনুংদগী লোইবুরেল অতু লৌরুচো। কেগে ঐখোয়গী কুচু থৌদাফম কংলা রাম্মেলশঙদা হাপ্তনা নৌনা কংলা শঙলেন শায়গা লজাগে হায়বক্লবদা মৱাই তন্না মুপা অহুমগা লোয়নন্না হাইন্নু চানবীনা মবুঙোগী য়াথং পুরগা মশ্রাম মেন্দে চাংদা লাকলে। মপানা লৈনরিবা কা মাপল শাংবা য়ুমজাউগী য়াংদা হাপ্রিবা খাঙবু লোই অহুম অতুগী মনুংদগী লোইবুরেল অতু পীয়ু হায়না মমোমনা তক্লক্লবদা মেন্দে নিংথৌ শারবা য়াদবা ঙমদে। কা মাপল শাংবা চাউরবা য়ুমজাউগী য়াঙ শিদোক্লনা

খাণ্ডবু লোই অহুমগী মরক্তগী লোইবুরেল অহু শংলগা মমোমরা শিন্নরে। মমোম হাইস্নু চানবীনা মপানা পীবা খাণ্ডবু লোই অহু মেন্দে হাও পাখং মঙানা চিংহুনা মোইরাং তাহনা পুরকপদা লম্মাগাংদা। হুমিং তথোকখিহনা খাণ্ডবু লোই অহু লমলেন উরাংকাইদা থনরগা মোইরাংদা হলরকলে। মেন্দে চহু হাইস্নু চানবীনা মশাবি মোইরাং নিংথৌনা খাণ্ডবু লোই অহু চিংবা ঙাদহনা লমখাদা লৈহৌরে, হয়েং ইতুং ঙারগা বেগে মোইরাং লৈবাক্কী অকন অথৌ মস্নাম পুন্না মপান হৈরকপা খাণ্ডবু লোই অহু লৌরগে হঙ্গৎলকলে। মশানৌগী য়ানা মতুং ইনা নোংঙাল্লগা কেগেন্সী অকন অথৌ মানি থাহনা খাণ্ডবু লোই লৌবা চংলুবদা লৈরন্দ্রে। ঙরাং অহীদা লাইওইরনা খাণ্ডবু লোই অহুদি মতোমদা লমলেন লোক্তাক্তা লাকলগা ঈস্নাইদা লুপখ্রে। পাউ অসি তাবদা মোইরাং নিংথৌ নিংঙাইদে। মশানৌ মনেম্মচাবু অমুক হন্না মকু নিংথৌগী মনাক্তা থাহনা করম্বা লোইবী চীংগী চীংমায়দা হৌবা উনৌ, পানেল উশক খঙলকউ, উগী মনিং হংলকউ, করিগুম্বা উ অদুনা ইকু নিং-থৌগী পানদা হৌবা উজাউ ওইরম্লবদি উ অহুগী উচুং হৌফম তান্না চংলগা উচুং অহু উনৌ চোংবন্না য়েংলকউ। উনৌ চোংলম্লবদি উকক অমা কল্লগা পুরকউ হায়না মশানৌগী মফমদা চেংনা শিন্নরে। মশাবি নিংথৌগী রাজু তাবদা হাইস্নু চানবী ইবেম্মা মথরায় হুংঙাইতনা মোইরাংগী অকনবা তমবা মুপা অহুম পুরগা মপাম মেন্দে চীং তান্না অমুক লাক্লে। মমোম্না তানা হল্লকপা উবসা মেন্দে নিংথৌ মুংশা থীহনা কন্নি তৌরহগে হংলক্লে। খাণ্ডবু লোই অহু লোক্তাক্তা মতোমদা কুমখিহনা লুপখ্রে হায়বা মশোগী রাজু তাবদা মেন্দে নিংথৌনু ঙকলে। মমোম্বু মাগী পাম তানা পুরগা খাণ্ডবু লোই মানখিবা উচুং অহু য়েংহল্লে। চাউরবা উচুং অহুদা নৌনা উনৌ অমা চোংলম্লে।

উ অসি মমিং করি কৌবগে হংবদা মপানা উ অসিদি অচম্বা উ নত্তে, চীংয়েনশিন্নি খুমকই। উচুংদা চোংলিবা মরেপ কাদ্রিবা উপাম্বী মচা অসি মকক অমা পীয়ু হায়রক্লবদা মেন্দে নিংথৌ মখুংমক্তা য়াল্লগা উকক অমা মযোমদা শিঃরে। খুরা হাইনু চানবীনা মপানা পীবা উকক অচু পুরগা ময়ুম মোইরাং পাংলক্লে। মোইরাং নিংথৌদা উকক অচু কংলবদা নিংথৌনু হরাওরে। নিংথৌনা লৈবাক্কী অখণ্ড অহৈ কয়াগা তাম্নদুনা বাংলেন পুং-দিংহনবা কৌরগা উকক অচু হুত্তোক্তুনা পুং মচা অমা শাহল্লে। পুং মচা অসি য়েবদা মখোল য়াম্না শুংশিনা থোকই। পুং অচুগী মমিং য়াইপুং (য়াইবুং) থোল্লে। নিংথৌগী য়াথংদগী কংলা পুংজাউ অচু হোংগায়রগা য়াইপুং মচা অচু হাপচিল্লে। য়াইপুং মচা অচু হাপচিনবা মুমিত্তগী কংলা পুংজাউ অসি হাল্লদগী মখোল হৌবা হেল্লে। শুমিং অচুদগী মোইরাংগী শাবাউ লানবাউ শীনবা থম্বা কংলা পুংজাউ অসি কংলা য়াইপুং মমিং থোনখি।

য়াইপুং মচা হাপচিল্লবা কংলা য়াইপুং পুংজাউগী পুংখোল অসি মোইরাং শিনবা হংনা তাবদা নত্তনা লমথোন্নবা খুমন লৈবাক তারে, লুরাং লৈবাক চেংলৈনা কোনবা লমদম কাওবা য়ৌরে। কংলা য়াইপুং পুংজাউগী পুংখোল অসি তাবদা খুমন নিংথৌনা মমাংগা পোকমিন্নবা মামা কাইরেম্ববু মোইরাংদা লোম্না পুংগী পাউ লৌনবা থারম্মী। কংলা য়াইপুং অসিগী পুংখোল তাবা মুমিত্তগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তি অরাং অপা লৈত্রে, অশি অনা নংদ্রে, লৈত লায়র কোকলে হায়না কাইরেম্বনা তশ্বা পাউ তাবদা খুমন নিংথৌ মপুক্লিং খোয়রাংলে। নিংথৌনা খুমনগী মনাই অকল অথৌ তমব মুপা তরামণ্ডা কৌশিল্লগা মোইরাংগী কংলা পুংজাউগী মমুংদা য়াওরিবা য়াইপুং মচাতু লোম্না লৌরুচো থোদারম্মী। খুমন নিংথৌগী য়াথং পুরহুনা তমব মুপা তরামণ্ডানা 'শাহল য়াংদা কাইনা তানবা' কৌবা

হিয়াং হিরেন তোংহনা অহীংদা লোক্তাক ঈয়াই শমহনা লাক্লগা কংলা য়াইপুং থম্লিবা মফমদা চণ্ডহনা পুংজাত্তি অহ্ন য়োগায়রগ' মমুংদা য়াওরিবা য়াইপুং মচাহু পুহনা লাউর লাউরহনা খুমন তান্না লাকলে। কংলা য়াইপুং ঙাক্লিবা লোয়শঙ মচাশিংনা মোইরাং নিংথৌদা তাকলুহনা নিংথৌনা অকল অথৌ তমব মুপা তরামঙা থাহনা নিংথৌগী য়'ঙবদা মমিং চংলব। হিয়াং হিরেন 'লৈতা ঙন্না খাবা পুংমায় লেপ্পা' তোংহনা লোক্তাক শমহনা খুমনগী হিয়াং হিরেন তান্নরকই। খুমন নিংথৌগী হিয়াং হিরেন অসি য়াঙবদা মমিং চংলিবা হিনি। শাবন্দা চেনবা শক্তি শঙাইবু তান্নহনা থংপা ঙন্না হিনি হায়বগী হিয়াং হিরেনগী মমিংবু 'শাবন য়াঙবা কাইনা তানবা' মমিং থোল্লিবনি। মোইরাং নিংথৌগী হিয়াং হিরেন অসিন্দু অচন্না হি নত্তে, য়াঙবদা মমিং চংপা হিনি। লোক্তাক খোংবান্দা চাঙাবা ঙান্নু খারানা লোক্তাক ঈয়াই শমহনা পাইববু তান্নহনা থংপা ঙম্মি হায়বগী হিয়াং হিরেনগী মমিংবু 'লৈতা ঙন্না খারা পুংমায় লেপ্পা' কৌরিবনি। অসিগুম্না য়াঙবদা মমিং চংনববা হিয়াং হিরেন অনিসিনা লোক্তাক ঈষাইদা তুংথা মাঙথা তান্নরকপদা হান্না মাঙজিন থাখিবা খুমনগী হিয়াংনা খুমন হিজগাং য়ৌদ্রিদ্রে, লম্লেন লোক্তাক লাইখুপাৎ মোইবাং নুংজেং পান্তা মোইরাংগী হিয়াংনা ফংলহনা খুমনগা মোইবাংগা লৈবাক অনিগী অকন অথৌ তমব মুপা কুম্মু দো মখু-কা মখুংবা লামহনা চিংনরে, নোগা নোগা য়ান্নহনা হিমুংদা লাম্বেংনরে। নোগা নোগা য়ান্নবদা শোক্লবা কয়া য়াওনরবস্নু হননবা লৈতনা য়াইবী মথরায় মখুবাক্তা হাপতুনা লাম্বেংনবদা নোং ঙানফুং ঙানফুং তোরক্লে। লাইগী নোংদমদগী খুমনগী হিমুংদা য়াওরিবা য়াইপুং অহ্ন খঙহৌদনা লোক্তাক ঈয়াইদা তাহনা লুপক্লে। লৈবাক অনিগী মীয়ামা মুহ্নরিবা য়াইপুংনা ঈশিংদা তাখবদা ফুনরম্না অহ্ন তোক্তনা

লাইজ ঈরোম্ন্দা তোংখনরগা য়াইপুং তাখিবা মকম অতুদা ঈরুপথতুনা খিবা হৌরক্লে। খিবা য়াবা মখৈ খিবদা কংলক্লবদা য়াবনা চোকথবথা লৈবাক অনিগী মীশিংদো ঈশিংদগী হিক্লংদা কাখংনবরক্লগা য়া মচেং অমত্তা ওাঙনদনা মাগী মাগী হি হোন্দূনা মলম মলমদা হন্নখি। য়াইপুং মাঙখিবা মুমিৎ অহুদগী মোইরাং নিংথৌদি মথবায় শোক্লা খুমনবু মুংঙাইখিদে।

মশাবি য়াংলেন পুংদিংহনবনা কংলা য়াইবুং হঞ্জবা ওইবগী পাউসি তাবদা চকপ্রম য়াইমু ফিশাহৈবীদি মুংঙাইনগী পন্দোন লোমলে। মুয়া পাখং অনিদো উননিংবা কয়া উনবা ফংদে, হায়নিংবা কয়াসু হায়নবা ঙমদে। অসুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা লোইদাম থাবুম ফাজিল্লক্লে। লোইদাম থানা থাশিরক লাংহৈ কুম ওল্লকপা, লমতা থানা শিবগা শক্তিবু থানা পানব খংলকপা শক্তিবু লাইয়েল কিশি তাই কোংবা লৈখোং ফাংপগী লোইদাম থাজ কুমদম্বদা কেগে লৈবাক খুঙাউনবা মুংঙাই য়াইবী ময়াং কায়নবা খুম্বক খুনথাগী চন্থ নিঙোল ময়ায়া লোইজা নিঙোল লাকপ। অঙম্বগী কাংশঙদা কাং শান্নগনি হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা পাউচেল্লি। খুম্বক্তা মোইরাং নিংথৌগী অমতা পোকপী মমোম লাংলেন লৈমা নিংথি তরেংলৈনা কাং তোংগদৌরি। খুনথাদনা চকপ্রম য়াইমু ফিশাহৈবীবু কাং তোংনবা হায়নরে। অসুম্না খুম্বক খুনথাগী চম্থ নিঙোল মখৈনা শীংনহুনা শান্নবা কাং অসি য়েংগদবগী কেগে মোইরাং লৈবাকী পাখং লৈশাবী অয়াম্বা মানা মানা পাম্বা চরৈ ফি শেংতুনা ফিজেং লৈতেং তান্নবগুম কাং য়েংবা লাক্লরে। য়াংলেন পুংদিংহনবসু মশানৌ মনেম্মচানা খুনথাগী কাং তোংগদৌরিবা পাউসি তাবদা কাং য়েংবা লাকই। মতম অদুগী কেগে পাখংশিংগী মরক্তা মশক থক্তৌ ফজবা, চুং-ফিরান চাবা কাওরেন যৎগুম্বা পংদিংহনববু উবদা চম্থ নিঙোল শিংনা ফোংনা য়েংবা হৈকাম্নবসু লোয়া হুনা

য়েংজে। শাথং-শাদাদা লাম্না লৈত্রবা চারায়ররবা নোংশাগী শাবায়া তমজনিংঙাই থইরবা বাংলেন পুংদিংহনবনা মশঙ্কা চায়রবা ফিবমগা চুনরবা ফিজেং লৈত্তেংহনা লাক্লগা চকপ্রম য়াইখু ফিশাহৈবীগা মায়োক্লনা ফমহনা কাং য়েংলি। কাপেনগী মৈচাক খাত্তহনা বাংবল মৈশা লাংহনা কোংয়াং রাশ ফৈবা থক্তা কুমগী নোংবু ঙায়জরিবী নোংঙৌবী কৌবী চেক্লানা ইও কুমদম্নকপা ইঙেল কুমখায়রকপদা চেক্ল' ম'না হরাওজবগুম চকপ্রম য়াইসু ফিশাবৈনা মতম পুম্বদা উননিংবনা খোৗয়াংন' ঙায়জরিব' মংঙোনা থঙহৌদনা লাক্লনা মমাংদা ম'য়োক্লনা ফমরবদা মুরা ওইবী মহাক্তো হরাউ মুংঙাই য়াম্নগে, কাং কাপকনি কাউথে। লোয়া থুপনা মশাবি চেংলৌ চিংনা য়েং, ইকায়খিবী ওইবীনা মিং-চায়বদি ঙমজদা মালেম লৈদা অমুক য়েং, মতা'শিংদা অমুক ওনশিন মুরা ইনেশচাদো মিন্থুল চেনগুম চেনগানরে, মশা পুম্বা হুমাং ঈরিক কায়কলে লেংদনা ফম্বা ঙম্ব্রে। মুরা মিংয়েং মুংশিবা পাথং পুক্লিং লাংতক্লবা থম্বাল লৈকা মানবী মোমম্নগী শাইনোল খাত্তদা লৈরাং থুপ্পা চিঞ্জিবী লৈরাংগী লৈনম তাংদা ফম্বিনরিবী খোয়নৌ মতাশিংদো নিঙোল পুক্লিং লাংতকনরে। শিঙেল পুম্বম পোত্বনা পিথাই কোন্দুম মাল্লিবা লৈরাং লৈচুনা ঙৌবনে, অঙৌবা মচুনা পানবনে, লৈরাং কবোক্লেনা মুরাগী ফজবা শকপু তেঙবাংলি। লৈহিনা থুম্নাংলবী লৈরাংগুম খোমিং কারবা হৈরাংগুম শানোগী মায়থোংবু উরুবদা পাথং ওইবা মহাকসু মিংফম হেংদনা য়েংহনা লৈরে। মুরা ওইবী মহাকসু কাং কাপকনি কাউরে, পাথং ওইবা ম'সু কাং য়েংগে থনদবে। শাবি শানৌ অনিনা মুংশি মিংচাননবা, খোইরুম মোমোন মীনোরবা মওং মত্তৌ উবদা অউবা মুম্না পাথং কয়াগী মিংকী কুপ্প ওইনরে, লোম্না কয়েম্নবসু য়াওনরে। খুম্বক খুনথাগী নিঙোল কাংথুংশিংনা মথরায় য়াওনা কাং শায়বদা মুমিং অদো

পানজন চননবা ওন্নদনা কোয়ৌ নায়ল বায়শিল্লক্লবদা নিঙোল-লাকপা অঙম্বা খোয়ক্লুনা শাং শান্নবা লেপহল্লে। চম্বু নিঙোল মখেদো কৈয়োয় লৈকায়গী মবুং মোপ্ৰাশিংগা লোয়ননা মোংবা মরানয়াই পাংনখে। মপু মোইরাং নিংথৌগী নাইতোম শাংপী মমোয়োই লৈমা নিংথি তরেংবীম্নু মনাইশিংগা লোয়ননা কাং-শঙদগী খোরকপদা পাখং চেংলৌ শকহেনবা মাপা তাম্বা যণগুম্বা বাংলেন পুংদিংহনববু উরুবদা মুরাগী পুক্লিং খোয়দাক্লরবোই অপাম মুংশি ঈহৌরে। লোইজা নিঙোল্লাকপা অঙম্বা কৌশিল্লগা পাখংগী কোলোয় হংবদা অাশংবা মিংলেন তাক্লে, পাচা শলাইস্থ হায়রে। কেগে লৈবাক্কী ফম্নাইবা নৌনা কংলা য়াইবুং হঞ্জবা হাপলবা বাংলেন পুংদিংহনবনি খঙলবদা মজাইবেগদো মথরায় মুংঙাইনা পায়মা পুক্লিং লৈতানা মপু শঙ্গাই পাংখি।

চকপ্রম য়াইন্নু ফিশাহৈবীনা খোয়নৌ মতা চান্নবী লৈশংমুগা লোয়ননা নিঙোল্লাকপা অংঙ্গগী শুমাং মতোম্দা লেপ্লুম্না লৈবা উবদা বাংলেন পুংদিংহনবা চঙশিল্লক্লুনা মুরাবু মাঙ থানা পুরগা পম্বোগী থরাই খোঙ্গাল তাম্না থিনবিয়ক্লে। কেগে শোরেৈক য়াংবী থক্তা তুং মাঙ, চৎমিন্নরিবা মুয়া পাখং অনিদো পায়মা হুংদা ফুম্নরিবা মুংশি বাফম কয়াবু ইকায়বদগী ফোংদোক্লবা ওম্নদ্রে। মুয়া পাখং অনিদো কোলোয় মিংলেন হংনয়গা মখোয়বু পোকপা পলেম পম্বোগী কোলোয় তাক্লয়গা বা মথা তাবা ওম্নদ্রে। থরাই খোঙ্গাল য়ৌশিল্লক্লবদা মুরা মাদি মখোং থাংজিনবা ওমদহনা মবুঙোবু চিংনা য়েংহনা লৈজরে। মুরাগী মতৌ উবদা বাংলেন পুংদিংহনবনা চঙশিল্লক্লুনা, " শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী! হায়নিং বানা ফিয়োমশা হায়দোকপদি ওমদনা পাখংগী পুক্লিংদা ফুম্নিবা মুংশি বাফম কয়াবু শানৌ নকাদা ফোংদোক্লিংববু মকম মতম তাদবনা ফোংদোকচবা ওমদ্রে। পাখংগী থম্মোয় পোম্দা য়োকচলিংবী মুংশি চেক্লা নহাকপু কয়ম্বা লোইদাম থাজদা

পোম্বীগুম চিঙ্গোক্লা চেক্লাগুম চিনদিঙ্গবা ফংগদগে খল্লুবদা পাখং ৱাখল লাম্বা ফংদ্রে" হায়রক্লে। মশাবিগী য়াৱাঙ্গ ডারগা সুরাগী মিৎলু অনিদ' মুংশি পিরাং পিরোইনরক্লে। "মাগ্ন নঙবু লোয়ুপ্বা! নিঙোল লাইবকচাউবীদি লৈরাংগী শীংদা চৎবদা চংনিংবা ইনিং ডম, উননিংবা ইখা তম্বা ঙমজদে। হয়েং ইমুং ঙাল্লগা কোবোৗা নারল ৱায়ত্রিঙৈ, মালেমনা মমশিল্লকত্রিঙৈ সুমিদাংৱাইরমগী মতমদা পলেম ইমানা কেগে খোয়োল কাখিত্রৈদা নিঙোল নাম্বা ইয়োং শঙদা পাখং ঙাইহুনা লৈজরমগে থাঙ্গা লৈকায় কোয়বিরকউ" হাংরম্লগা সুরা মাদি খোয়নৌ মতাগা লোয়ননা থরাই থোঙ্গাল লানশিনখে। সুরাগী মপাউ তাবদা পাখং মাস্থ হয়াওনা ময়ুম পাংখি।

সুরা পাখং অনিদো ময়ুম ময়ুম য়োৗরগা ৱাখলনা লাঙ্গোই চনখিবনা খোয়েন তুমখুন তানবা য়ানখিদে। অয়ুকী মতম হৌখিহুনা মুংখিলগী মতম ওইরকপা কে রো অঙানবনা নোংচুপ চীংখোং তম্লকপা সুমিদাংৱাইরমগী মতমদা ৱাংলেন পুংদিংহনবনা হায়নখিবা য়াৱা মতুং ইন্না মশানৌ মনেম্মচা উন্নবা নিঙোলগী শুমাং য়োৗরক্লে। নিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙদা ইয়োং শংদিংহুন পশোং থংমাই লাক্তুনা চরৈ ফিবু শারিবী সুরানা মশাখি মমানমচ লাকপা উবদা হরওনা ইমুংদা চঙখ্রগা ফিদা কৌ-খোক্তুনা থারে। সুনিৎ অসিদি সুরা পাখং অনিদো নিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙদা ফমহনা ইকায় ইকি তুংওইনবা পুক্লিং ৱাবু ফোংদোক্লরে অপাম মুংশি ৱায়োয়নরে, চিংঙ্গ থাংজীং .লাইবু পংলেপ্পহুনা অপাম কাদা থুংনসি মুংশি কাদা য়োৗনসি শরি ৱাশক পন্দোল লোমনবে। সুরা ওইবী মহাক্লা হায়নিংবা ৱাবু হায়জরে, পাখং মাস্থ ফোংদোক্লিংবা ৱাকম কল্লাবু কোংদোকচরে।" থংলেন লোয়ুম্বা। সুরা পাখং অনিগী অপাম মুংশি ৱায়থুংনগনি ৱাৱ-থুংনৰোই খঙবনবা চিংঙ্গ খুদম য়েংনসি খোয়ুম পাদম ওইনসি।

ঙসিদগী কোয়ৌ ছুমনি শুবা সুমিংকী অয়ুক অঙনবদগী পাখংনা পুং অমা তিংবা হৌবিয়ু, ননাওসু চয়ে ফি হৌহনা শাজগে। পাখংনা পুং তিংবা লোইহনা পুংখোল থোঁকপগা ননাওনা চয়ে ফিবুম ফাহনা ইয়োং ককপগা মতম চপ মান্নবদি অপাম মুংশি য়াইখুংনগনি পুন্সি শাংনা পনমিন্নগনি খঙনসি খোযুম নোং-দমখোল য়েংনসি।" "মুয়াগী পূক্নিংনা অহ য়োবিরবদি মুয়ানা শাবা চয়ে ফি অহ শেংলগা ঐনা তিংবা পুং অসি য়েহনা চিংঙু থাংজীং লাই হরাওবদা জগোয় খুংথেক কংমিন্নসি অপাম মুংশি বায়খুংননবা পুন্সি মুংশাংননবা চিংঙু খুয়াদা নিজসি" খুম্নকই পাখং মাসু। অসুম্না ঙাঙনরিংঙদা মালেম মমশিন্নকুনা নিঙোল পোকপী পলেম মমা কৈথেলদগী কুম্নকলে। নিঙোল নাম্বা ইয়োং-শঙনা ফম্নিবা য়াংলেন পুংদিংহনববু কেগে লৈবাক্কী ফম্নাইবা কংলা য়াইবুং হঞ্জবনি তাকপদা পলেম মমাসু হরাওরে। পলেম পন্থৌ শুনা নাউয়োক নাউকোম্ববী লাইবক চাউবী মমোম্বু মুংশিবিয়ু থাদোকপিগমু হায়না পলেম ওইবী মানা পাখং মঙোন্দা শিন্নরে। অসুম্না ঙাহাক লৈত লায়রা কয়াগী য়ারি শারগা য়াংলেন পুংদিংহনবা ময়ুমদা হনখি।

মুয়া পাখং অনিনা হায়নবা সুমিং অহগী অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা য়াংলেন পুংদিংহনবনা পুং তিংনবা পুংলু পুরকনা মুয়াগী নাম্বা ইয়োং শঙদা থুংলবে। ইবেম্মা ঙসিদগী ঐসু পুংলুদা পুংমাই হাপতুনা পুংলি লোনবা হৌরগে। নিঙোলসু লংদম্ন তমহনা চয়ে ফি শাবা হৌবিরো, ঐখোয় অনি শিন্দাম্ন-রসি। অসি হায়নরগা য়াংলেন পুংদিংহনবা ময়ুমদা চংখিহনা পুং তিংবা হৌখি। মবুঙোগী ময়াথং কংবদা মুয়া ইনৈম্মচাদো সুনা থয়াক মনি খলে, মপক্তা নাউয়োনথোক হাপলে. মথাদা খোংলেং পুন্নে। চয়ে লাইজি খোংহনা ঙাশাবা ফি শাবা হৌখে। অসুম্না শাবি শাংনৌ অনিদো মতম অমত্তদা চিংঙু

থাংজীং লাইবু থাগোম্লরগা পুং তিংবা ক্ষি শাবা ফৌনখে। নমু তাইবং মীনা শিনথনা অমা থোয়ুম লাইনা তম্বনা অমনি। বাংলেন পুংদিংহনবদি খোঙলৌ পল্লৌ লৈতনা পুংলি লোন্দুনা তিংলকপা পুংদো অবক্লবা মতমদা ফিংবা লোয়রহনা পুংমায় তৈহনা মুংশাদা ফৌদোক্লে। চকপ্রম য়াইহু কিশাহৈবী ইবেম্মদি অহীং মুংথিল থাজনা শারকপা চরৈ ফিদো লংলা ভংপনা চরৈ ফিবুম ফাবা ঙমদ্রে। মশানৌনা লেপতনা শাবা ফিন চরৈ ফিবুম ফাদহনা ইয়োং কক্রিচৈ মতমসিদা মপু মোইরাং নিংথৌগী সনা য়াথংনা বাংলেন পুংদিংহনবা কেগে য়াইবুং হঞ্জবু থুনা য়াংনা কৌখৎখে। নিংথৌগী সনা মাঙদা কোংয়াং রাপুম তাবগুম তুরে বাংলেন পুংদিংহনবা। অমত্তা পোকপী মমোম লৈমা নিংথি তরেংবীনা ঙসি কোয়ৌ মুমিত্তা চিংঙু থাংজীং লাই হরাওবদা য়াইবুং হঞ্জবা নহাক্লা নৌনা তিংবা পুং অহু মৈরগা ইমোম লাংলেনগা চিংঙু লাইমাঙদা জগোয় শামিল্লৌ মপু য়াথং পীবিরক্লে। ঙসি মোইরাং নিংথৌনা পীরিবা সনা য়াথং অসি কনাগুম্বা অঙম অথৌ অমগী মফমদা পীবিবা ওই-রম্বদি মখুৎনা কোয়ৌ নোংমদোল ফংবগুম হরাওরমগদবনি, মামুক মরাইবক ফবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা অনি শুদে থনগদবনি। অহবু মশানৌ মনেম্বচাগী মফমদা চিংঙু খুদম থঙনসি থোয়ুম নোংদমখোল য়েংনদি রারেপ পলেপ্পহনা শিন্দম শিন্দাম্নথিবা বাংলেন পুংদিংহনবগী মফমদদি লুরাই কোক্লেন থক্তা থৌহু মুংপাক ভাবগুম্লে, রাখল লংভিল পুল্লে। নিংথৌগী য়াথং পুরগা অরা মায়থোং লুরুক্তা মরানয়াইদা হল্লকলে। নিংথৌগী য়াথং অকনবব মশানৌ মনেম্বচাগী মফমদা থজহনগদবস্তু মতম ফংদবনা ময়ুম হেক য়ৌবগা মান। তিংজবা পুংহু কোলগা নোং খোংবগুম কপলক্লে। ঙাহাক কপ্পুরগা বাংলেন পুংদিংহনবনা মানা তিংজবা পুংহু পুরগা চিংঙু থাংজীং লাইমাঙ ভায়া লাক্লুনা

চিংঙু মাবু চেংনা থাগোন্দুনা মানা ঙসি চিংঙু লাইমাঙদা মেয়গদৌবিবা পুংগী পুংখোল অসি মশানৌ মনেম্মচ ফিশাহৈবীগী নাপ্পদা তাহনবিগনু হায়না পখংগী চিংলু অনিদা তরংগী লাইজ ঈহৌনা চিংঙু খুয়াদা নিজরক্লে। ৱাংলেন পুংদিংহনবনা পুং পায়দুনা লেপ্পরবদা লৈমা নিংথি তবেংবী হৈবেম্বা নুরা নীংবা খুংলবোই নুংশি খোইবম মীনোক্লা পাখং মাবু চিংনা য়েংলগা য়াইবু হঞ্জবা অঙম্বা পুংলোন শুনা য়েরিবিযু নিঙোল জগোয় শাজংগে হায়রক্লে। মজাইবেম্বগী য়াথং ফংলবদা ৱাংলেন পুংদিংহনবনা চিংঙু থাংজীং লাইমাঙদা পুংলোন শুনা য়ৈরগা নিংথৌগী অমম্ব পোকপী মচোন্নোই নাইতোম শাৎপী লৈবাং-শুম্বী লৈমা নিংথি তরেংবীনা খুৎথেক শুনা খেঙথাং কায়দনা লনা লৈনা শারকপা জগোয়গী ফজবদুদি কবিগা শীংথানগনি। শেম্বী করো মপু য়াই নিংথি তুরেল খোংথান্দা লৈঙোই শেক্লা মথক্তা তাংজা লিনবু উবদা ৱাহৌ লাবা অমোয়া হরাও নুংঙাই ঈথক্ত থেক্লা নোইনা জগোয় শাবগা পাংখক্লি। জগোয় হৈবী নুরানা খুৎথেক শুনা শারকপা পুং হৈবা পাখংন পুংলোন কায়দনা হৈরবপা, মানা হৈকদা হেনগনি ত্রৈনা কদা ৱাংকনি মতাগুম মিংকা মিংকা মিংচান্না শাংকপা জগোয় অদুদি লাইজ ঈরেল ঈপাক্লা তাম্না হিরেল অনিনা হিতাম্নবগুম তিল্লিবা মীয়াম পূম্নমক ৱারী শাবা লেপ্লবে মনিং কুপতনা য়েংন্দরে। মুমিং অসি ফিশাহৈবীগী মতা লৈশংনুদি জগোয় য়েংবদা মপুক্লিং চঙথিদ্রে। ৱাংলেন পুংদিংহনবনা নৌনা তিংজবা পুংদু য়ৈরগা নিংথৌগী মজাইবেম্বগা য়েংনা য়েংনদুনা জগোয় শারিবা পাউ অসি তমগদবগী লৈশংদু মতাগী ময়ুমদা চেল্লকলে। চকথম ৱাইন্নু ফিশাহৈবী হৈবেম্বদি অয়ুকী চারা চাদবমথৈ মানা শারিবা চরৈ ফিদু ফিবুম ফারদুনা থাঙনা কককদবগী হোৎনরিঙৈদা খোয়নৌ মতা চায়বী লৈশংদুনা চেনশিল্লকুনা চিংঙু থাংজীং লাইমাঙদা

শাবিবা জগোয়গী পাউবু তম্লরে। মুরা পাখং অনিনা চিংঙু খুদম য়েংনসি মুংশি পম্মং য়ৌনসি শিনদান্নতুনা ঙিবা প্লুংবু য়ৈরগা নিংথৌগী মঙাইবেম্মগা জগোয় শাহৌরে হু'য়বা পাউসে তাবদা মুরা ওইবী মহাক্তি হায়ফম তৌফম খঙদনা চপ লেপ্লুনা লৈরে। মুরাগী মিংলু নাপে'ম অনিদা তরংগী লাইজ শ্রিম্বরকপতু উবগা লৈশংমু মহাকস্তু য়েংবা ঙমদতুনা মযুমদা হনখ্রে। পূকচেল লেপতবা মুপাগী শাজংনি, লৈহি কাদা মীহৌবা খোইমুনি মুরা মাবু কাউথোক্তুনা হিদেন হোৎনা পানা লমান চাখে, খল্লুবদা লাইবকথীবী মুরাদো থম্মোয় পুবা য়ারক্রে। হন্দকী মপোক লাংওন অসিমা অপাম মুংশি রাইথুংনদা পাম্মু কাদা য়োদনা কল্লক মাঙদা চাং তাতুনা লৈগদবগী শরুকপুদি থমমুং শরা তান অমল থরৈ কুমখ্রগে মুরাগী মপূক্লিদা চপ যুংনা খল্লকলে। চিংঙু থাংজীং লাইবু পলেপননা মুরা পাখং শিনদাহখিবা চরৈ ফিবুম ফারে কল্লগে খন্দুনা পুথোরবপা মুরাগী খুৎস থাঙ অতুনা থম্মোয় কায়ুম খায়না থিল্লে, ইয়োং লাইজি থক্তা ঈঙাং পাকতল্লা ঈমু পামফেম্না মুরাগী য়াইবী থবায় থাবে।

অসোমদা চিংঙু থাংজীং লাইমাঙদা জগোয়গী পুং য়ৈরিবা রাংলেন পুংদিংহনবদো জগোয় শাবা লোইববদা মানা তিংজবা পুং অতু পুরগা মযুমদা চঙদনা মশানৌ মনেম্মচাগী নাক্তা শিন-দান্নখিবা চরৈ ফিহু ফিবুম ফাবত্রা য়েংবা লাকপদা মুরা মাদি ঈমু পামফেম্ননা ইয়োং থক্তা য়াইবী থরায় থারম্বহু উবদা রাংলেন পুংদিংহনবু চেনশিল্লক্তুনা মশানৌ মনেম্মচাবু কোন-খৎলে। খোঙলৌ খজিক থিনখিবনা মুরাগী য়াইবী থরায় মঙাদি শমু হকচাং পোলাং থাদোক্তুনা চেক্লা চাদি লমথুমুগী চেংলৌ মশক লৌরগা য়ুমগী শন্দংথাদা তোংতুনা থরায় য়াংত্রবা হকচাং পোল্লাংবু য়েংলগা চীংস্তু লৈমা তনৌবী চেক্লা চাদি মৈপুংবী পোম্বী মথা ইচোই চোই চেক্লা মখৌ ইপোং পোং চেক্লানা

ক্রু ক্রু য়াকৈরকপা চেক্লাগী খোঞ্জেল তাবদা পায়খং থম্মোয় পুবা য়াত্রবোই চংবী নম্ভু মতুপকুম লেঙদনা তারিবা · মশানৌগী শমু হকচাংবু কোল্লগা য়াংলেন পুংদিংহনবদো ইকায় ইকি য়াংমা পাম্মা নোংখোংবগুম কপলকলে। 'শানৌ ইনেমমচা পাম্মুবী! মুরা নঙগী কায়না মেশা লাংবনা নথংলেন ঐদি লাইজ মুংগী লেমলৈ ঙানা মালেম লৈকংদো কোয়ৌ মৈশা লাংবগুম ঐগী থম্মোয়দ অমা খাঙ্গী মৈশা লাংলিবসে শানৌ নঙদি উবি-য়োইদকো। য়োইবুনাই নঙনা লৈত্রবদা শিঙেল অয়েম্বা লৈরং অতিঙা ওইরবা নশাবি ঐগী মরাইরক থীদবা কাংদ্রবা শমু হকচাং অসে ঙাইবং মালংপান্দা থনম্লগা শানৌ নঙগী মার খোঙ্গুল লিরক্কে, পাখংবু ঙাইরমখো" হায়না মশানৌগী থবাক্তা য়ুংলিং! থাঙ অহু শংলগা পাখংগী থম্মোয়দা থুম্না থিনহুমা থবাক ঈরম ফাংলে ঈমু ফিরাক থায়রে। পাখংগী মথুং অনিনা মশানৌবু চেংনা কোল্লগা অশাগ মুংশি য়ায়থুংনসি শরি য়াশক তেমশিংনখিবা শাবি শানৌ অনিদো য়াইবী থরায় থামিল্লরে। মুরা পাখং অনিনা নিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙদা য়াইবী থরায় থামিল্লবগী পাউ অসি কেগে লেবাক শিনবা থুংখ্রে মপু মোইবাং নিংথৌগী সনা নাকোং য়োখ্রে। মুরা পাখং অনিবু পোকপা পলেম পম্বৌনা চেংক্রুনা মপারি মমোম অনিবু কোম্নুনা নোং গোংবগুম কপ্পরকলে। কৈরোয লৈকায়গী মীয়ামসু শাবি শানৌ অনিগী মুংশি লাংওন মতৌ অহু উবদা কপনদবা য়াওদ্রে, বৈথেল অকা অকুমদ' য়ারীনিরে, শামান লেংমান্নবা মুরা পাখং কয়াসু নীংশিং-নীংশিংন্দুনা কপমরে।

শাবি শানৌ অনিগী য়াইবী থরায়না তাইবং মালেম থাম্বনা থমম্মং লৈবাক পাংলক্লে। মথোয় অনিনা অশি তুরেন লাল্লগা থমম্মং নিংথৌগী মনাক তা'না ন্নুকপদা মদোম য়াইরী থরায় থাজরুবনা থমম্মং নিংথৌ খোংজোমরেন অহনগী নাক্তা চংবা

য়াদহুনা থোঙজিনদা লেপতুনা চাদ থক্তবমখৈ অরাবা ঈপাকা ভাহুনা লৈবহু খমনুং নিংথৌগী ভালোয়না লাইজ ঈপাল লাংবা থোরকপদা থেংনহুনা মশাবি খমনুং নিংথৌগী নাক্তা পুশিনবি-হকলে। "শাবি ইনিংথৌ তাবিয়ু, তাইবং মালং পান্দা অপাম নুংশি রায়থুংনসি নুংঙাই য়াইবী মবাং কায়না প নমিন্নসি চিংঙ থাংজীং লাইবু পল্লেপনা শবি পন্দোল লোয়খিবা শাবি শানৌ অনিসে য়ামজেন মরাইবকথীবনা তপাম কাদা থুংনদা নুংশি কাদা যৌনদনা খমনুং লৈবাক্তা লাকলে। শাবি শানৌ অনিগী অপাবা মতৌ অসি য়েংবা ভুমদহুনা ইশাবিগী নাক্তা পুক্তববপনি। মনুং মতম চাদনা তাইবং চিঙ্গাক থাডুনা খনুং ইরবাক্তা লাক্লিবা ইপারি ইমোমগুম্নবা শাবি শানৌ অনিগী য়াইবী থবায়বু নশা-নৌনা চরৈ ফিগ উ শানা নিক্তগে। মখেয় অনিসি তাইবং মালং পান্দা হললহন্দুনা তাইবং খুন্দাহনবিয়ু পুক্সি নুংশাংনা পানহনবিয়ু" হায়বকপা মশানৌগী য়ারাবু য়াবিদুনা খমনুং থোঙা রেন অচন্না শাবি শানৌ তনিবু তাইবংদা খুন্দাজংরো চুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পুন্সি নুংশাংনা পাঙ্করুরে তাকপিরক্লে। খমনুং নিংথৌগী ময়াথং ফংলববা শাবি শানৌ অনিনা তাইবংদা খুন্থোকরকপদা মখোয় অনিগী থবায় য়াওদ্রবা মল্লবা হকচাং পোল্লাং অনিদো মৈদা থাদোক্তুনা পোংলোইরম্লে। হকচাং পোল্লাং লৈত্রব শাবি শানৌ অনিগী থবায়না তাইবংদা থোঙদাবা য়াদহুনা চেক্লা তন্দনগী মশক লৌবগ কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কোইপাই পাইদুনা লৈরিবহু চিংঙ থাংজীংনা উবিরহুনা নোংদম নোংখায়বিরক্লে। হাংলেন পুংদিংহনবগী য়াইবী থবায়না হরি ওইনা শাইওল্লে, চকপ্রম য়াইমু ফিশাহৈবী চুরাগী থবায়না চেক্লা নুংনাং শাইওল্লে। চেক্লা হরি হংনাং অনিদি মালেমদা লেমনা মাঙফদে, ইঙা কুমদম্মু ইঙেল কুমথাইয়ু হায়না মপু মানা থৌদাবিরে। মপুগী থৌজান্দগী হরি নুংনাং অনিনা তাইবংদা

লেঙদনা লৈতুনা ইভা কুমদা। ইঙেল কুমখাইবনা কুমগী নোংলেমা মালেম শিনবা থুংনা চুহনা মহে মরোং চুমবশে, পুখি খোংবাল পাং কোম পূমমকন্নু লাইজনা ঈমায় চোলহল্লে, লেম্নৈ ভায়াম ফাবে। কেগে লৈচাউরে মোইরাং খুঞ্জাউবে চাকহোং ভাহোংলে খুংভাইনা পান্নরে।

ঙানবা—শংলোলেম্বী

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মেনা রায় তাংনা শমহৌবা ইরাং পুরিংলাই উরা খুন্দাবা নিংথৌগী সনা মহাকথক্তা খুংশি রায়-থুংনখিদবা শাবি শানৌ অনিনা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা খুংশি শাইওন খোঙদারকপা অপাম খুংশি রারীবু রাইমু লাবা কদনবনা মশানৌ মনেম্মচা মোরী থৌদনবীদা মথং শিংনা লীবিরকই। বেগে হিগা লৈকায়দা লৈবা নিংথৌগী য়েংথাং ওইরিবা লাং-লেনহনবা অঙমবদি শাবংহনবা ফমথোল হেক কাবা চহীহুদা চিংঙু থাংজীংগী থৌজান্দগী মপারি অমা ফংজরে। পুন্সি মমাই চনশিল্লক্লবা ফাওবদা মপারি মমোম অমত্তা উরক্লবদা চিংঙু লাইথোং খুদিংদা হৈরাং লৈরাং কৎতুনা তাঙন ফংজবা মপা-রিনা অঙম্বগী মোংবা মবানয়াইদা কোরৌহনবগুম ঙান্দুম ঙান্না ফাওবিরম্নে হান্নবগী মপাবিগী কোলোয়বু ঙানবা মিংথোল্লে। মপাবি ঙানবনা পাথং কাংদোং ফাদ্রিঙে কাওরেল মণজেন মণঙাক ঙমকপা মতমদা শারুংহনবা অঙম্বদি অবাং শক্ম লুতোংলৈ পুন্সি ইরান লৈনা লৈরাং মরাক চামশিল্লক তাইবং চেংজেন লোইশিল্লক মমুং মতম চাদনা কোরৌ নোঙ্গানখে। লাইবক চাউবী পলেম মমা লুখ্রাবী লাংলেনহনবীনা মপারী ঙানববু কেগে

থুল্লক কোয়হন্দ থাঙ্গ লৈকায় লানহন্দনা শামা পাঙ্গল চাউনবা শরেপ কংদোং ফানবা বানা য়োকই। মোইরাং ঙাংলৌ লৈকায়-দনা কেগে পাখৎলাকপা অংম্বগী মশাইকোন্দা শিঙেল লৈশক হেল্লবী মমোম লাংলেন অমা শাংলক্লে, কোলোয় মিংলেম্না শংলৌলেম্বী খোংল্রে। পাখৎল'কপা অঙম্বগী মমোয়োই চেংলৌ শত্তা শকহেনবী নুবাদো লৈনম চেনবী লৈরাংশুম বেগে লৈকায শীনবা থুখে। চোবক চেংপা পলেম পন্থোনা চেকশিন্না নাউয়োক নাউকোনবনা কেগে পনপাল লানহন্দহুনা মুংশি শাইওন খোংঙ-দামিংরকপা শাবি শানৌ অচিসে কোলোয় চমিং ভানদে, চেংলৌ চশক খঙনদে।

চতম অসিদা পলেংগী থাদা চেংনা কোন্দুনা থমজরিবা ঙানবু কেগে লৈবাক মশাঙদা পুথোক্লগে নিংথৌগা শকখঙ মায়খঙনহল্লগে থাংজীংনা খল্লহুনা বেগে মোইবাং লৈবাক তসে অবাবা তুরি চনহনে অনাবা ইবে লাংহল্লে। তোরবুং থুমখোং মাপল থুমহি মশক উরক্তবা লোইদাম থ বুম ফাজিল্লক্লবদা কেগে মীয়াম অবাবা তাবে নিংথৌ তুংগা চানা চঙল্রে। চিঙু থাংজীং লাইমাঙদা চকপা শলাং মাইনী খোংলেন মঙজং ভানবীনা লৈবাং লাংথে লৈতোন থেৎ শরিক চোমজাউ থাগোরহুনা খোয়ুম লাংমাঙ ফমহুনা খোয়ুম মপাউ হৎবদা কেগে পোকপা শোবারেল মোইরং পোকপা লাইনিংথৌ থাংজীং কোন্দুনা য়াই-মক শিদবনা চিংঙু লাইপাউ শীবিরকপে। পুপাং শুদনা নাউয়োক নাউকোন্দনা কেগে লমজা মচ অমবু থুমখোং ঈরাং-লবদি থুমহি থোক্তবা থোক্তনি লৈবাক্কী অবাবা কোক্তনি শীরকপা চিংঙু থ জীংগী লাইপাউ ভাবদা মপু মোইরাং নিংথৌদি ভাংজা খেগুম লাংশিননা. বা মচেং অমভ ঙাঙদনা মরু লুক্তুনা লৈখে. কেগে লৈবাক মীয়ামসু মখল্লায় য়ানরে। লৈবাক নিংথৌগী অবাবা শরুক য়ানবা চোংথোক্লরক্লবদা কেগে মৌরেন-

হনবদি তাংজ লৈদা মরু লুক্তুনা তিনাং মাবু খয়োংনা তরেং তয়া খল্লকলে। কেগে লৈবাক্কী শারুংহনবা কম মুন্নবদা মাগী লাংলেনহনবগ পায়মা কিশি কিত্নুনা শুংভাইনখিদবা হৌখিবা খোদোক অত্থ নেংহৌনা নীংশিংলক্লে নোৱেনহনবা অওম্বদো! মহাকথক্কা লমন শিংবা ভমহৌদ্রবস্মু মপারি হাক্কক্কা লমন খুমগে নীংলহুনা লমজা শরুবা লাংলেনহনবগী মপাবি ভানববু খুমখোং ঈৱাংনে খল্লবলে অওম্বা। পাখং শরেপ কাত্রিভৈদা ভানবগী য়াংভবী মথংাথ লোৌহৌদ্রবদি মপাবি নোংলৈখোম্বগী হাক্কক্কা অমুক লৈবাক নিংথৌগী কম মুন্নরক্কনি খুনু মখোং শমলোবগুম খুরে চেঙ্গনি খনবদগা ভানবগী মথংায় লৌনব। মপু মোইৱাং নিংথোগী সনা মংভদা চঙশিল্লক্তুনা মালেম লৈমায় থক্তা কোংয়াং ৱাপুম তাবংম মপু খুয়া খাদা নোৱেনহনবা হঙ্গংলকলে। "কেগে ভ ভোই পুরিংলাই। মপুগী পায়মা উনগোইনুংদা অৱাবা ঈথক লাংবিগনু। নমাই নোৱেনহনবনা লৈবাক্কী অৱাবা পুজগে। চিভু থংজীং ল ইপাউ অসি কেনৌ নোংদা কাকয়োই মালেম লৈদস্থ তাযবোই নদাইরেম্না চংব ফিগাউ শানা য়াজগে, মপুগী পুরিং লৈভাবিু ৱাথল লংজিন পুনবিগনু। ভসিদগী হৌনা কোৱৌ শিংবুম মভানিগী মমুংদা কেগে লমজ মোইৱাং শাৱ, পুম্পাং শুনা নাউয়োক নাউবোন্দব লমজা মশানা খুমখোং ঈৱাংচগে, লৈবাক্কী অৱাবা বোকহনগে চোংথোকচবা লৈ ইনিংথৌ। মনাই নোৱেনহনবগী ৱাহ তারগা মপু মোইৱাং নিংথো উৱা খুন্দাবদি অবা কোকথোক থাভমদে মনাইবু চিংনা য়েংলগা "নোৱেনহনবা নভগী ৱাসি লৈবাক নিংথৌগী ৱা ওইৱবস্থ কেগে লমজা মচানা মশানা য়ানা খুমখোং ঈৱাংপা ওইথোকলোই নিংথৌ ঐস্থ পাংদে। নমু ভাইবং মীগী মহৎতা য়াংথৌ শারম চামানা শাহুৎ শিনজগে চিংভু খুয়া খাদা হনগংসি" তাকপিরে মপু মানা। নিংথৌগী চিংনবা ৱাহ তাৱদা নোবেনহনবা মথৌনা

উৎতুনা, "মপুগী পায়মা খুংদা চিংনবিগম্বু, ননাইনা হঙ্গৎচরিবা ৱাসি অরেম্বনি। ঙসিদগী কোরৌ শিংবুম মঙানিগী মহুংদা কেগে লমজা মচাবু থুমখোং ঈরাংহনবা ঙমদ্রবদি ননাই নৌরেনহন-বনা লমজাগী মহুৎশিন্দুনা ইশান য়ানা কেগে লৈবাক্কীদমক্তা থুমখোং ঈরাংচগে" হায়না চিংঙু থাংজীং লাইবু পন্দুনা কেগে লৈবাক মীয়ামগী মমাঙদা শরি ৱাশক পন্দোল লোমলে। নৌরেনহনবগী ৱাশক তাবদা মীয়াম পুম্নমক তুমিন তুমিন লৈনরে, মপু মাদি পেনবিরবোই মনাইবু চেংনা কোনবিরে।

চিংঙু থাংজীং লাইপাউ অসি কেগে লৈবাক শীনবা থুংখে, কৈথেল অকা অকুমদা ৱারীনরে, থুমখোং শিন্না পাউদমনরে। চিংঙু থাংজীংগী লাইপাউখোল, মোইরাং নৌরেনহনবগী ৱাশক তাবদা ঙানবগী পলেম মমা লাংলেনহনবীদো ইপাই কোরৌ কারে কিবনা মশাহু তনিক তনিক্লে। মশাবি হাক্তক্তা য়েক্লবা ওইখিবা মপারি হাক্তক্তা লমন খুমগে খন্দুনা নৌরেনহনবনা লৈবাক মাঙদা কেগে লমজা মচাবু ফারগা থুমখোং ঈরাংনগে থৌশিনবা নৌরেনহনবগী তরোনবা পুক্নিংগী ৱাহু লাংলেন-বীদি মঙতাক্লম খঙলে। করম তৌরগা লমজা শক্লবা মপারিগী য়াইবী থৱায় কনবা ঙমগদগে খল্লবদা তুম্বা চাবা চঙদ্রে। চিংঙু থাংজীং লাইনা মনাইনা ৱারিবহু উবিরহুনা খুজাগী ৱাখল্দা কায়দোংবিহুনা লাংলেনহনবগা পাথৌ মরুপ শান্নখিবা লোইবী শগাং চীংগী খুল্লাকপা নীংশিংলক্লে। কেগে কনা খঙহন্দনা মোইরাং কনা উহন্দনা লোইবী শগাং নিংথৌগী মশা ইকোন্দা লোৎলুরসি হায়না মপারি ঙানবগা লোন্না ৱাতান্নরে। থুমিৎ হেক তাবগা মমা মচা অনিদো থোঙ লোনশিন্দুনা ইমুংদা পোৎ-চৈ লোইশিন্দুনা তরা চাকঙল চারগা মতম ঙাইহুনা লৈরে। অহীং তাংলো লৈশিল্লকপা মীচিক মীরাউখোল তান্নকপা মতমদা মমা মচা অনিনা থোংজি নাতে য়েশিন্দুনা চারাগী পোরোন

থাবুনা থনয়গা চরৈ কিয়েম পুন্থনা পঙ্খৌ মপাগী মরুপ শগাং
নিংথৌগী মশাইকোল তাঃ৷ পলেম মমাগী মতুং ইন্নুনা লোইবী
শগাং চীংশাং পাংলক্লে। অমস্থা অহীংদা মমা মচানা লাকপনা
নোংঙাম্মদাইগী চত্তম শক্তিক চশোং কাংলকপা অমম অঙান
শিম্নরকপা মরিংগী হেনবাদি তোকঙাংবা কাইরৈ য়েনবোন নুংদগী
পোম্বী শাগল কুহনা শামাম্নবা য়েংনগে লানমান্নবা চায়নগে
চত্তাগুম ক্রে ক্রেক কে য়াকৈরকপা কাইরৈ য়েনথোং তম্মকপদা
মচা চচা অনিংো শগাংগী পঙ্খোং য়োরক্লে। শগাং নিংথৌগী
লৈফম খংদত্তুনা পঙ্খোংচা লেপত্তুনা লৈরিঙেদা শগাংলৈমনা
চুম পুরগা লোকনুংদগী লাইজ ঈশিং শোক্কদবগী খরাই থোঙ্গাল
বাচা লাক্না পঙ্খো তাম্না লাকপদা হোইয়াং চনু মত্তা ইবেম্মা
লাংলেনহনবী উবদা চেনশিল্লক্তুনা "খোয়নৌ ইত্তা ইবেম্মা
নপারি লমজা পুম্বা। ইয়ুম শগাং পঙ্খোংদা লৈরম্বু করিগীনো?
লাউ নিংথৌগী নাক্তা চৎসি" হায়না মমা মচাবু মাঙ থানা
পুরকলে। মশাবি শগাং নিংথৌ কৌথোকলগা মত্তা মোইরাং
চনুগা মপানি ঙানবগা শিংরে। মমা মচানা মযুম কেংগ
মোইরাং লৈবাক থাদোক্তুনা লোইবী শগাংদা চেল্লকপগী মরম
পুম্নমক লীত্তুনা খংহন্নবদা শগাং নিংথৌনা মমা মচাবু হেকশিন্না
মরানম্নাইদা থম্মীরে। হাওবুং য়েংঙনা মবোই হাওযাম কৌথোক্লগা
মমা মচাবু ঙাক শেলহন্নে। কেগে মোইরাং মচা অমত্তা শগাং
খুন্দা চঙহনবা, খুনকোইবা, লমদনবা য়াদে থিংলে। মপাগী
মরুপ শগাং নিংথৌনা নুনা চান্না মপারিমক্কি খন্না থম্নবিবা
অত্থদা লমজা ঙানবসু চথবায় নুংঙাইরে। অসুম্না শগাং চীংদা
হাওয়াম মরক্তা মমা মচাহ লৈথিসনু।

অসোম কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মমা মচানা মরানম্নাই
থাদোক্তুনা চৎখিবা বাংলেন পুংজা খবগী মতুংদা নোরেনহনবা
অংম্বনা লালোই তরেৎ পুরগা ঙানবগী মরানম্নাইত্থ লাংগোই

চনশিল্লে। নাশোন পিন্থ্রা মমা মচানুপু কৌবদা আরক্প্পবদা লোম্না ফকনুং হোগায়রগা য়েংবদা লৈরমদ্রুবদা নৌরেনহনবা মখরাম্ব বারে। লালোই জরেংকা লোয়নদ্দা কেগে লৈরক খুল্লক, নারক্ মোংশোং, তুংখোং পাং, খোয়বান নুকল্লাং অমত্তা চিথন্দনা লমজা মাবু থিবদা ফঙদ্রনা নোংওাল্লে। নোংওাল্লগা মনাই তমব খুপ্পা অহুম থাদুনা কৈরেংয় লৈকায় শিনবা খুংনা চরুনা লোম্না মমা মচাগী খোঙ্গুল্ল লীবা হৌরকলে। অহুম্বা অয়ুক নুংথিল নুংদাং থাক্তনা নৌরেনহনবা মশামক য়াওনা লমজা মাবু থিবদা ফংদ্রে কোরৌ শিংবুম নরিনি হোংজিনখে। কল্লক্ মমাঙ চাং তারা লৈবাক মীয়াং চোখা নংবা নিংথৌ মমাঙ ইকায়মা ফংবা অসিগী খল্লুবদা অঙম্বা মখরাম বারে। গনি থক্লনি কাউখে। মঙানি শুবা কোরৌ নুমিংকী কোরৌহনবনা কোকতোন বায়রকপা মতুমদা চিংঙ থাংজীং লাইরেবু পন্দুনা শরি পন্দোল লোমখিবা নৌরেনহনবা অঙম্বদো মপারি মমোম থনম্বগা মশানা য়ানা থুমখোং ঈরাংনরে। থুমহি মশুক উরমদবা তোরবুং থুমখোং মাপনদু খঙহৌদনা থুমহি খোরকলে লৈবাকী অরাবা কোক্লে। নৌরেনহনবনা লমজা মহুৎ শিন্দুনা থুমখোং ঈরাংনখিবা পাউসি লোইবী শগাং নিংথৌ মশাইকোল্লা শাই-দাংদুনা লৈরিবা মমা মচাদো তাবদা হুংওাল্লরে। শগাং নিংথৌদা হায়জদুনা মমা মচাদু ময়ুম কেগে মোইরাং লৈপাক্লা কুমরুলে।

নোংমা নোংমা হৌথিবনা লোইদাম থাবুম কাজিল্লরে চহী কুমুল্লা, ওনশিল্লকলে। লমজা ঙানবম্মু পাখং কাংদোং ফারক্রে, পাইক্লু, শৰেপ, য়োরকলে, কৈরেংয় লৈকায়গী মমাম্বগা শামা মায়োক য়াবা ওনজরে। চাউবা লেপ শাংবা লম য়োরবম্মু পলেম মমাগী ময়াথং নত্তনা থরাই খোঙ্গাল লান্দবা থাজ কোয়দবা ঙানবনি। মোইরাং ঙাংলৌ লৈকায়দা পাখংলাকপগী মগাইদা শাংজিবী মুর। শংলৌরেম্বম্মু নোংমা নেংমগী চাউশিল্লগা

শরেপা কাংদ ক্কারে, য়েংবগী পেনবা নাইদরে থাজ য়োলাক্ল-য়ারকলে। মশাগি খোইগ্রু কনাগীদমক্কা শিঙেল পোমশাংনরিবা-লৈনম পূক্কিং সুমহৎলিবনো কৈরোয়-লৈকায়গী নহা পাখংশিংনা চিবোন চিবোন ঙাংনৈ মকা কোংনা হায়জবদি ঙমনদে, পা-খংলাকপা অঙহবু কিবনা। চিংঙ্না শেমখ্রবা লৈপুল খোয়ুম্লা-য়োমখ্রবা খয়োমবু তাইবং কনানা কায়হনবা ঙমগনি। নোংমা কোয়রৌ ওমিংতা নমলেন লোক্তাক খোংবান্দা নিঙোল মৌ ম থৌনা তরা-চাকচা হৈজান্নবগী লেম্নলৈ ঙারম তাল্লিংঙদ। শাবি শানৌ অনিদো উনরে; উনবমক্তদ শকখঙনরে সুখশি মিম্বেং মিচাংয়ে, অপাম সুংশি ঈহৌনরে। শাবি শানৌ অনিদো কোলোয় মমিং হংনরে, পারি পুরি তারুরে, লৌগে লৈগে হায়নরে, চিংঙ্ মাস্থ পেনবিবে খোয়ুম নোংদম নোংখাইব্বিরে।

নৌয়েনহনবা অঙক্লগী মশাবি নোংলৈখোম্বচু মোইরাং ঙানবগা শানমান লেংমানবা হৌমিন কামিম্নবা মাপা তাম্বা কাওয়েল খণ-ঙম্বম্নি। মপা মপা হাক্তক্তগী কল্লক য়েংখিনহনা লাক্লুরবা মহাক মহাক থক্তচু অমনা অমবু উশিং থওইনদবা নোংমী নোমেগী হেনগংলক্রে। চারাংরবা শম্বেল নোংশা অনিগী মরক্তা চেননা চোংনা শাম্নজন্নিরবা শজি তমোমগী পাখং ওইরে। সুরা শ লৌরেম্বীদো। সুরা মাগা পাখং ঙানবগা অপাম কাদা থুংনসি-সুখশি কাদা য়ৌমসি শরি রাশক পম্লোল লোম্নখ্রে পাউহু তাবদা পাখং নোংলৈখোম্বদি তুম্বা চাবা চঙর্দ্রে। সুরা মাব তালোয়শিংদা চনগে লুমজেন লাদা য়েহে মতম পুম্নমক্তা থম্মূলা মিকুপ লোচনশেম্নহনা লৈরিবা নোংলৈখোবনি। নোংমা কোকৌ লুমিং অক্ল এচিংঙ্ খাংজীং লাইশাঙদা সুরা শংজৌলেম্বীমা লুচিংবনা চম্নু নিক্তাস 'মমামগা" জগোয় খুহেমেক কংজুরগা হল্ল কপদা পাখং ঙানবনা সুরাবু খয়াই থোজাল তাম্না খিল্লকশহু নোংলৈখোম্বহু পানথৌ মরুপচা অমগা লোয়নবা লাম্না ইম্নবকই"।

খরাই থোঙ্গাল চঙলমদাইদা নোংলৈখোম্বগী মনাঙদা তৌহুম তৌগে মতাঙুম মুন্না শংলোৌলেম্নীগী শাইনোল খাদাং থেংলিনা লৈচল শুনা শেম্নবা শিঙেল লৈবাং নাচোম অহু লৈখোক্লগা মশাবি ঙানবগী শামু মথুম্তা শিম্নরে। মশানৌনা পীবা নাচোম অহু পায়বগা ঙানবনা মনম নমগে থাঙ্গৎপদা নোংলৈখোম্বনা চংশিল্লক্কনা ঙানবগী মখুত্তগী নাচোম অহু মুল্লগা মখোঙনা নেংশিল্লে। মতুদা শাউম্নুনা নোংলৈখোম্বগী মখজাইদা খুবাক্লা থাক্লবগী মচুম তাবা য়াংগোই শামুগুম্বা পাঙ্গনবা পাখং অনিদো নিঙোলগী খরাই থোঙ্গাল বাংমদ শিবা কিন্দনা হুনরকলবদা লৈকায়গী মীয়াম চঙহনা খামদোকখি, 'লবাক য়াথোক্তি ওইখিদে। পাউ অসি তাবদা মীপাই চাউবী পলেম মমা লাংলেনহনবী চেল্লক্কনা মপারিবু ফাহনা পুখি। কেগে মোইরাং লৈবাকা মপাঙ্গল মথৌন মাল্লবা পাখং তনিসি চিংঙু থাংজীংগী থৌশিল্লগী মপা তাম্বা কামুবেল যণগুম নাইতোম চংপা লমচক্লুম অননা অমবু উশিং থওইনদে। মানা কৈদা হেংগনি হিদাম্নবগুম মতম ঙ ইহুনা লৈনখি। লাইবকচাউবী পলেম মমা তনিদো মপারিগী দমত্তা খল্লুবদ তুগা চাব খোয়জক্রে, মপারিবু থেমহুনা নৌহুনা কেগে পনবাল লানগনু থাজ লৈকায় কোয়গনু শামান লেংমাল্লবগা খংনচৈননু পাংমেম্নজে।

অম্নুম্না কোরৌ শিংবুম কয়া হোৎখ্রে, লোইদাম থাবুম কয়া লানখ্রে লাংহে কুম ওল্লকলে। চিংঙু থাংজীংগী খুজিন্দগী কেগে মোইরাং লৈবাকসে অমুক অয়াবা তুরৈ চল্লকলে অনংবা ঈরৈ লাংলক্লে। ইঙা কুমদমদা ইঙেল কুংখায়দবনা চহী চুম্না কুম কাংলে, নোংগী ঈয়িক ফংদহনা মনা মশীং অমত্তা হোবা ঙমদ্রে, লবুক লৈক্রক চৎলে, পুখিু খোংবান পাং-কোমদা লেম্নৈ ঙাখক উরক্লে! খালে লবুক্তা লোইমোম কৌনানা য়ায়বা চারোং চুম্না শাংপা উখিদ্রে। কেগে লৈবাক্কী মীয়াম্না অয়াম্না ঈপাক্তা

ঈরাক্লবা চাংজৌ মাপা লাম্বা কংনম্নবদা মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই তুম্বা চাবা চংল্রে। কেগে লৈকায় নিপালগী চন্থু নিঙোলশিংনা চিংঙ্, থাংজীংদা তাউজিং হৈরুক কাহুনা শিঙেল লৈরোং কংতুনা অরাবদগী কনবিয়ু অনংবদগী লানবিয়ু হায়না চিংঙ্, খুয়া থাহদা তরং লাইজ শিংনা নীজবংলে। লৈবাক্কী অরাবতু উবদা শরিক চে মজ উ থাগোন্নরবী লাংথে, কোক্লা থেংলিবী লৈবাক্কী অমাইবী হঙ্কবীদা চিংঙ্ লাইপাউ পীরক্লে। ঙসিদগী কোরৌ শিংবুন মঙানিগী মন্নুংদা লম্লে ঙারম চামা ফারগা কংলু। চিংঙ্, লাইপ উ তবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা কংলাগী থৌদা পুবা লোইশঙমচা থাহুনা লৈকায় নিপাল শীনবা থুংনা পাউ চেলহল্লে। হয়েংদগী লেবাক মীয়াম চঙহুনা কেগে লোক্লাক ঈশা মাপলদগী লেম্লে ঙারম চামা ফানবা থৌরাংনরে। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীয়াম লোক্লাক্লা কুমহনা চিংঙ্ ঙারম চামা শুনা ফাবা ঙমদে, ঃ্ম মমশিনখিবনা হাল্লে। নোং-ঙাল্লগা অমুক হংা ফাবদসু ঙারম শুবা ঙমদে। অম্বুম্না মুমিং হুমনি চুপ্পা লোক্লাক পাং নৈহুনা ফাবদা ঙারম তরা বাংতুনা থাংজীং লাইদা কংপ য়াউবদা মপু পায়মা উলগোইম্নুং অরা খাম্বী মৈশা লাংলে, রাখল লংজিন পুল্লে। কেগে মচা কনাগুম্বনা অরাংপা লেম্লে ঙারম তরা ফাহুনা চিংঙ্, খুয়াদা কংপা ঙম্নবদি কেগেদা নফম নাইহনগে মন মথুম চাউনা শীগে হায়বা মপু মনা য়াথংবু লৈকায় নিপাল থুংনা পাউচেল্লে। লৈবাক নিংথৌগী পাউসি ভাবদা মপাঙ্গল কনবা মথৌনা লৈবা কয়াসু লোক্লাক্লা কুমহনা অরাংপা লৈম্লে ঙারম থিবা হৌরক্লে। নোংলৈখোম্বা মহাকসু নিংথৌগী মনা মথুম কমথোল পাম্বদগী লোক্লাক ঈশা মাপল থুংনা কুমহনা লৈম্লে ঙা তানবদা ঙারম থিবা কংদহনা হলক্লে। কেগে লৈবাক্কী অবা তুমৈ ইমৈ [illegible]বসি কোক্লবা পাথং ঙানবা মহাকসু লাইবক চাং যেংগে চিংঙ্ ঙারম অরাংপহ

কাগে হায়না মপুরিংদা লেপ্পুনা পলেম মমাদা খণ্ডহল্লে। মপারিগী অচেৎপা মপুক্লিংগী য়াৱাহ তাবদ পলেম ওইবী মহাক্তি ৱাখল পোৎলুম খেঙ্গংলে, তবেং তা খল্লক্লে।

চিংঙু মাগী থৌজান্দগী চহী কুমজা কযামুক কাউথোকলুরবা মশ বি লাংলেনহনবগা তরা চাকলুক অনভদা চামিন্নবা পাখৌ মকপ শান্নবা কেগে ঙাংলো লৈকায়দা লৈবা পাখংলাকপ অঙম্বু নীংশিংলক্লুনা অঙংগী নাক্তা থুনা য়াংনা চংখ্রগা লাংলেনহনবী মমানা বাতান্নবনে। মচল লাংলেনহনবীগী রাহু তাবদা অঙম্বা মথবায় নুংঙাইরে। চিংঙু লাইনীং পৱৈ চেংলু পারি মাগীদগী ইবুং লৈশ্রি, লেশৈ ঙারম স্নুনা ফানগা নবুগা শীনগনি, পাবি মাবু পাগী পারেপ স্নৌহনসি কেগে লৈবাক্লা শকখণ্ড নায়খণ্ডহনসি তাকপিরে। অঙম্বী রাহু তাবদা লাইবকচাউবী মমাদো পায়না খৈনা পেনজবে। মচল মবুং লায়খণ্ড লাকনিন্নহনা কোৗ নোঙ্গানখ্রবা মপাথৌগী ফৌদি চানা ওইববা মপারি ঙানববু উবনা পাখংলাকপা অঙম্বা মমিতুগী পিরাং শিক্লবা খণ্ডহৌদে। মপারিবু চেৎনা কোনবিরগা পারি নঙনা নীংলিবহ চিংঙু থাংজীং লাইনা থৌজানবিগনি খোংম লাইনীং চেংলু তাকপিরে। মতম কুইনা উনকদবগী লৈতালাখর কয়া তাংবে, হৌথিবা অৱাবা থৌদোক কয়া নীংশিংন্দুনা কপ্লরে, অমুক হবাও নুংঙাই য়াবা তাইরে। মতম কুইনা কাযনখ্রবা অপোকপা পম্বৌ উনবগুম পায়মা খৈনা নুংঙাইজরে ঙানব মাস্থু। কেগে লোক্তাক ঈশা মাপলগী লৈ-খারোল লাইজ ঈয়ম তয়েৎনা খোংলম ঈকাওনম্নিবা চিংঙু ঙারম শুনা য়োরুলিবা শিংনাং তৌজা পাম্বীনা নেম্বী কৈরোই খাহনা উরোং খিনবগুম থমলিবা চিংঙু নোংক্রেন লাইরেল পাখংবগী শাইওন পাউবীলাইগী য়াথোককম লাইরেল মাগী য়াত্রাকম ঈরেন্দা ’হৈরম লৈবম পোৎলম শুনা হাম্লগা খরোম লাংজুনা চিংঙু নতিক ’চাউবনি থৌমুন’ নঙোং ’কাংবিগদু ’হাবনা ঈয়াং

থৌনিজর দি অন্নাংপা লৈমলৈ ঙাবম ঙনা কংগনি তাকপিরে মপারি ঙানবদা। চি.ঙ. খন্নোম লাকপদা শোনগদবা লাইশোল তিলশোল লাইনা তিনবা শূন্নমক অমত্তা চিংথদনা তম্বিবগা অঙম্বা মরানম্নাইদা হনখি।

মোইরাং শাইওনগী বারীবু মখ্যায় ম্নাওনা মপূক্লিং চংনা তাজম্নিবী বাইন্নু মোরী থেংদনবীনা মশাবি পোংমহনবা বদনবদা লংলেন লোক্তাক পাংকী পাংয়াই থম খোংগী খোংতুংদা শিংনাং তোঙ্গা পাম্বীনা নেম্বী যৈবোই খাত্নুনা নমু তাইবং কনা চঙহন্দনা চিংঙ্, ঙাবম য়োবলিব ইফম অহদা পাউবীলাইগী য়াত্তাফমনি তাকপিববু পাউবীলাই হায়বসি কবম্বা লাউনো. মাবু মতিক মথৌনা কয়া লৈবগে, খঙনবদি লীনিন্নু হায়রকলে। ইশানৌ ইনেম্মচানা খঙনিংলিনা পাউবীলাইগী অথুপ্পা ব'রীবু ব্রাইন্নু লাব কদনবনা লীবিরকই।

চহী কুমজা বন্নাগী মংঙদ থোকখিবা বারীনি। লুবাং নিংথো থাংতেক স্তকনাইবন মশানৌ লৈনা চামল খাম্বীগা লোয়ন্না লুব্রাংগী কোত্নুং লম্মাংদোংদা নিংথো ওইদুনা পালি। মহাক্কী হাক্কন্না লৈত্রেং ঈশিং চাইবা কৌবা মণাঙ্গল মথৌনা লৈরবা লমলেন কাক্তাদা পোকপা অকনবা মুপা অসি মোইরাং নিংথৌগা ম্নানদবদগী পোক্লফম মোইরাং থাদোক্তুনা লুব্রাংদা শাইদাংহনা লুব্রাং নিংথৌগী য়েংথং ওইখি। খুমন লৈবাক্কী নোংম্নাই লৈচেং অম্নাবা কৌবা থৌনা ফরবা মপাঙ্গল কল্লবা মুপা অমম্ভু খুম্নন নিংথৌগা ম্নানদবদগী মলম থাদোক্লগা লুব্রাংদা শাইদাংহনা থাংতেক স্তকনাইবা নিংথৌগী ওইথাং ওইনা লৈররে। লৈত্রেং ঈশিং চাইবা নোংম্নাই লৈচেং অরাবা পাথৌ মরূপচা অনিসিনা য়েংথাং ওইথং ওইবদা নত্তনা লৈবাক্কী অঙম্বা ফম্নাইবা ওইদুনা ব্রাজেন খোদাঙ্গনা লৈখিবনা খুমন অমম্ভুং মোইরাং লৈবাক্কী অনিগী নিংথৌনা লুব্রাং নিংথৌ থাংতেক স্তকনাইববু কিনা লুনা

তৌই, পাখৌ মরুপ শায়ে। অথৌবা অনিসিগী মপাশনা লুরাং নিংথৌশা লমলোম্নবা খুমন মোইরাং লৈবাক অনিবু থংইদে, লোইবী চীংগী নিংথৌ অয় স্বস্থু লোই চন্দুনা লোইপোং কাহল্লি। অস্থুম্না অরাং অপা লৈতনা খুংকল পাঙ্গলনা মনীং মখা তন্না পাল্লক্লবদা নিংথৌ ওয়। অওম্বা পায়না লৌশিং চাউরবা লৈত্রেং ঈশিং চাইবগা ত'ন্নহনা লুরাং লৈবাক অসি মী লৈবা চংক্লে চীংতুম কয়া তেমথায়হনা লৈপুং কয় থুগায়রগা লোক্তক খোংবান ফুনসি উকোন রাকোন তেমখোকাস লৈকুং কোংকুং ফুনজনসি মী তাহনসি লুরাং নিংথৌগা খম্নবহু নিংথৌনসু য়াবিরে। লৈত্রেং ঈশিং চাইবা অওম্বনা লুরাংগী নহা পাখং পুম্নমক কোথংলগা উকোন রাকোন তেমখোক্তনা উং লাই কয়া। লা কো। লপুং কয়া থুগায়রগা লোক্তাক খোংবান ফুনলকপা উবা। উমং লাই পুম্নমক শাউনরে। লাই শরোই ৬৯ য় খমলোই ৭ উমং লাই ৩৬০ না চিংওু থাংজীং লাইদা রাকংলগা কেগে খুনাদনবিগা লময়াইদা লাইয়াম তিয়হনা রাওনবদা। লৈত্রেং ঈশিং চাইববু য়াইবী মথরায় লোসি লেপ্নরে।

নোংমা লৈত্রেং ঈশিং চাইবা অওম্বনা লুরাং লৈবাক পাক চাউনবা লৈচাউ খুনচাউনবা নিংথৌগা য়া তান্নবদা থেংদোকখে। নোংয়াই চবুক লোম্নক্লবদা লাঙ্গোই শগোল তোংহন অওম্বা মরানয়াইদা হল্লকপদা লাই শরোই ময়াম্না থংতুনা লৈরম্মে। লাইয়াম্না মপুং শম্নহুনা লম্বী থুংনা থংলবদা লৈত্রেং ঈশিং চাইবনা থংলিবা লাইয়ামবু লাম্না চোংগে থন্দুনা শগোল কয়। থৌজিল্লক-পদা লাইয়াম্না শগোল চুকলি পায়রে থরনা শগোলগী মমৈ য়াম্নহুনা। ফারক্লবদা লৈত্রেং ঈশিং চাইবনা শগোল মথক্তগী চোংথরগা ময়ুম তাল্লা চেল্লকলে। ময়ুম চওখিবনা হাল্লবদি ফাবা ওমহৌরয়োই খন্নহুনা লাইয়াম্না শমজি থায়নবগা মায়কৈ মরিদা কোইশিন্দুনা ফানবা ফুজিল্লক্লে। লাইয়াম্না তাম্নরকপহু উবদা অওবনা কোহোদদি

লানশিনবা ঙমদ্রা য়েংগে খন্দুনা চেন্নবগা অদু লাইয়াদস্থু খঙলহনা হাই পাখং থরনা মংঙ থাদুনা চেংখংখগা কোম্মোং রামদা লুমহনা লৈখে। চেলনা চেলনা লত্রেং ঈশিং চাইবনা মযুমদা লৈহৌবী মোমন্থু তাংলেংহ খুাই লাংইবু কৌরকই। "শানৌ ইনেম্বচা। থোংজি নাংতবা লগা ইচুগী মৈরা পায়রনা নশাবিগী য়াইবী বহো লাউ" হায়না খুংলাম তেয়না কৌরকপা, মশা-ফিগী খেংথ্রেল ভাবদা খুাই লাংমৈ ইবেম্মা হিপ্লম্বদগী ফিংনা হেংগংলকই। লৈত্রেং ঈশিং চাইবনা কোম্মোংদদি লানশিনহৌগে খন্দুনা চেলনা চেলনা চোংশিনবপগা কেম্মো লাংমদা লুমদুনা লৈরিবা লাই পাখংশিনা মশম পায়রনা চিংরে, তঙম্বা লোংনা লপাক্তা তারে। লাইয়াম্মা চোংশিনক্কুনা মখবাগ্বা ফমগা মখেরি মেংলে, য়াইবী থবায় লৌগদবগী হোংনরক্লে। মতম অসিদা খুাই লাংমনা ইসুংদগী মৈনংগা খিশা তেম পায়দুনা খবাক্তু থোংগল তান্না চেম্ফোনক্লে। খুাই লাংমৈ লাকপদু উন্দা লাইযাম্না লৈত্রেং ঈশিং চাইবগী য়াইবী থবায় মরিখক পুংগা চংখে। মোংমু লাইরক চাউবী খুাই লাংমৈনা চেনশিনক্কুনা মপুবোইববু বোনখংপা। মতমদদি মরোল লৌবা য়ারমদ্রে। মশাংবু শমু নমদা পোরগা ইমুং তাংপা পুশিন্দুনা মাইবা মাইবী কৌহনা খরায় লাইকন্নবদা মীরোল তাবা ঙমদ্রে। অহীং অদুদা মী খরনা চুরাং নিংথৌদা তাকলুবে। নিংথৌনা মনাই মশলগা লোয়নহনা লাক্লগা মনাইবু কোনহৎলগা কৌবদা মীশক খঙদ্রে রা ঙ ঙবা ঙমদ্রে, মমিংনা য়েংদা মঙাইবে। মাগী মতৌ উবদা মীয়াম পুন্নমক মখোল থোক্তনা বপনরে, খুাই লাংমৈ ইবেম্মা মশাবিগী মখোং বোক্লগা হিরা হিক্লা কপলক্লে।

নিংথৌনা চং হাওখুলদা মনাই থাহনা লৈত্রেংগী মরুপ কবুই তোম্বা কৌহল্লরে। কবুই তোম্বনা মতু শমু লৈমাগা লোয়নবা হিদাক থাউজাউ পুরগা মঙাওগী মখরায় হনবা ঙত্রা

য়েংগে খন্দুনা চেল্লকই। কবুই তোম্বনা লশিং মপোপ অহুমদা চাক চহুম অহুম হাপ্লগা য়াংকোক্তা হাপতুনা খরাই থোঙ্গালদা থোক্কনা মতাওগী মথৱায় মঙা কৌবদা পাইতুনা লৈরিবা মথৱায় অমতনক ফংই, মথৱায় মবিদি লাইয়াম্না পুখিবনা কৌবদা লাক্লে। কবুই তোম্বনা মানা ফাবকপা মথৱায় অমখক্কু হাপচিল্লগা মতাওবু কৌবকই। য়াইবী খৱায় অমা য'ঙবদা লৈত্রেং ঈশিং চাইবহু তুম্মুবদগী নিকপ থো'রকপগুম মিং শিংলে, মতাংদা চিংনা য়েংলগা মিৎলু অনিদা পিগী ঈরা শিম্হনা ' ইতাও ইবুঙো, অঙাং নাউরা ওইবিব নপারি চহুই লৈবোংপাম্বা নচল খ্বাই লাংমৈ অনিসি ইতাওগী নখুৎত শিন্নরবনি। নপাবিনা কাংদোং ফাত্রি ফাওবা ইতাওনা চেকশিন্না ঙাক শেনবিয়ু " হায়জবকই। মতাউ লৈত্রেংগী রাহু তাবদা কবুই তোম্বগী মিৎলু অনিদো পিরাংনা থুমহৎলে " ইতাউ ইবুঙো প.য়ম। ঙুংদা করিমক্তা চিংনবিগন্নু ইনাক্তা লৈতে হায়বমঙাই ঐনা পোকচবা ইপারিনি" হায়রকপা কবুই তোম্বগী রাহু তাবদা লৈত্রেং মথৱায় ঙুংঙাইজরে। শমু লৈমনা চঙশিল্লক্কনা " ইবুং অঙম্বা! নচলনা হিংলিবমখে ইতা খ্বাই লাংমৈবু অবাবা তাইল্লোই পায়মা ঙুংদা চিংনবিগন্নু" অসুম্না পুকমেন পাওমেন্নরম্লগা লৈত্রেং ঈশিং চাইবা অঙম্বা মথৱায় ঙুংঙাইনা খমম্ং শাৱা তান, অমল য়াইথোং কুমখে। মহু উবদা তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমক মখোল থোক্লা কপ্পরকলে, খ্বাই লাংমৈ ইবেম্বা মশাবিগী মখোং অনিহু কো'ল্লগা নোংলেন খোংবগুম কপ্লকলে

লৈত্রেং ঈশিং চাইবনা শিন্নবদা কবুই তোম্বনা নচল খ্বাই লাংমৈদা চহী কুমজ্জা খরদং নপারি শাবেপ ফাত্রি ফাওবা লোইবী ইশাইবোন্দা লৈয়ু হায়বদো খ্বাই লাংমৈদা য়াংখিদে। অরাবা ভারক্লবা মতমদা ইবুংনা ইতেং পাংনিয়ু, মতম খরদংদি য়ুমদা প্যারি চাউনবা য়োকখিগে হায়রবদা কবুই তোম্বা শমু লৈমা

অনিদো হাওখুল তান্না হনখি। মপাবিগী লৈখিদ্রবদা খাই লাংমৈনা মপারি চহুই লৈবোং পাম্বদো পাখং শরেপ ফানবা শামা পাঙ্গল চাউনবা চেকশিন্না য়োকই। মপাবিগী খম্নুনা খাই লাংমৈ ইবেম্মা ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না কৈরোয় লৈকায়দা চংতুনা তরেং শিল্লংবা য়াওই, কৈথেলদা চমলৌ য়েনশাং মনা মশিং যোল্লি। অস্তা লাযরবী পলেম্না ৱানা য়োক্লকপা মপারি চহুই লৈরোং পাম্বদো নোংমা নোংমগী চাউশিন্নজুনা শামা পাঙ্গল চাউরকলে পাখং কাংদোং ফারকলে তবা লৈকায মমান্ন-বশিংগা শামা মায়োক য়াখা ভমঙরে। লৈত্রেং ঈশিং চাইবনা লৈখিদ্রবা নোংয়াই লৈচেং অরাব নিংথৌ ভম্বা অঙম্বদো মনীং মখা তম্না পাল্লকলে। অঙম্বা মহাক্কি মরাইবকথীবনা মপারি অমত্তা মনিংতা উদনা মমোম লাংলেন অনথক তোনশাংনজে। মমোমগী কোলোয় মিংলেন্না লৈনা সুনুলেম্বী কৌই। মুরা মহাকসু পলেম পম্বৌগী নাঙ্গা চানিংবা চা শেংনিংবা শেংতুন লৈরকপনা কাংদোং ফাবক্লে মমোম লাংলেন স্মুগুনেম্বী অসি মশক মত্তৌ ফজবা মাগুম্বী চঙখোনবী চনু নিঙোল অতাওবনি মতমম্বগী লুরাং লৈবাক্তা। মমোম্না লৈশাবী মপুং মরৈ ফাবকপদা নোংযাই লৈচেং অরাবদি পুক্নি চে জেং য়ামলক্লুবোই মন্নুং মতম চাদনা কোরৌ নোঙ্গানখি। অপোকপা পম্বৌন লৈখিদ্রবদা মোমনু লাইবক চাউবীদে। অপোকপী পলেম্না নাউকোন্দুনা মতু শোন্না পাল্লি। লৈত্রেং ঈশিং চাইবগী মপারি চহুই লৈরোং পাম্বগা নোংয়াই লৈচেং অরাবগী মোম সুনুলেম্বী মুরা পাখং অনিসি মখোয়বু পোকপী ৱারক চেংপী পলেম্না খরাই থোঙ্গার্ল লান-হনদবনা চেংলৌ মশক খঙনদে কোলোয মমিং তানদে। কৈবোয় লৈকায় ফাওবনা মখোয় অনিবু মশক খঙবিদে।

লুরাং নিংথৌ থাংজেক স্নকনাইবসি মনীং তম্না পাল্লবসু মরাইবক থীবনা মপারি মমোম অমত্তা মমিত্তা উবা ফংদত্তনা

চিংগু লাইথোং খুদিংদা হৈরাং লৈরাং কংচুম, নীঙবস্থ শীবিক্রবদা নিংথৌ পুক্লিং থোয়দাদে। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী চিংগু থাংজীং লাইদা ঙারম চাং কংলবদি পারি পোক্তবা পোকই, মমোম শাংতবা শাংলি হায়বা পাউসি তাবদা লেমলৈ ঙারম চাম ফাংগা চিংগু খুয়া খাদা সপারি পোকনবা নীজগে পায়মা থুংদা লেপলে। লৈবাক্কী অঙম অথে মম্নামগা রাতাময়গা কেং লোক্তাক পাংং লবাক মীয়াম চঙনা পাংনিনা ঙা ফবদা লেমলৈ ঙারম থুনা ফাবা ঙমদ্রে, নিংথৌ পুক্লিং লাং-তকনরে। লুরাং নিংথৌনা মন্ত্রী অচম্বা কয়াইদা থাঙ্গনা কেগে নিংথৌ পুবিংলাই নোংযাই খুমন নিংথৌ অনিদা কেগে লোক্তাক ঈশা মাপলদা চিংগু ঙারম চাং ফাবদা তেংবাংবিয়ু হায়জরকলে। পাথৌ মরূপচা লুবাং নিংথৌগী হায়জং রাজুবু য়াবিজুনা খুমন মোইরাং লৈবাক অনিগী মীগা লুরাংগী মীগা লৈবাক অহুমগী নহা পাখং মীয়াম হৌদুনা লেমলেন লোক্তাক ঈশা মাপল ঈরম থোরম অমত্তা চিংথদনা নৈখায়দুনা ঙরম চাম থুনবা ফাবা হৌবকলে। হন্দক চিংগু ঙারম ফাবগী লৈবাক অহুমগী মীয়ামস্থু থোক্তুনা লোক্তাক থোংবান্দা লেপতুন য়েংনবনে, পাংতনা মীয়াম কুমতুনা নৈবনে মীতনা লেক্তাক অসি থলে, নিংথৌ অহুমস্থু থোক্তুনা কুম্নে য়েংলকলে। হুমিং অসিদা চহুই লৈরোং পায়নে মুব হুমুলেম্বীনে শাবি শানৌ অনিস্থু ঙারম চামা ফাবা য়েংবা থোরকপদা থেংনজুনা চেংলৌ মশক থঙনরে কোলোয় মখিং তাক্লরে। পাথৌ মরূপচা অনিগী নাইতোম শাংপা মপারি মমোম অনিসে উনবমক্তদা হুংশিনরে, অপাম ইরাং হৌনরে, মুংশি ঈথক লীংনরে।

খুমন মোইরাং চেংলে লৈবাক অহুমগী মীয়াম্না হুমিং চুম্না পাংনৈজুনা লেমলৈ ঙা ফাবদা ঙারম চামা শুবা ঙমদ্রে। মীয়াম্না নৈখায়বদা লোক্তাক পাংসি ঈশিং অমত্তা উরক্তে লৈনাং

ওইনা উরে। ভাৱম চামা শুনা কাননবা মীয়ামা লেপ্পা লৈতনা লোক্তাক মৈথাৱরকপা হুমনি শুবা হুমিংকী কোরৌ কোঞ্জোন রাৱরকপা হুমিং চপ যুংবা মতমদা চিংগু নোংথ্রেন পাখংবা শাউরবোই, লোক্তাক ঈয়োলংদগী পাখংবগী শাইওন পাউবীলাই কৌবা লাইবেল অহ্ ঈয়াইদা তাউখংলক্লে। লম চামা শাংবা পাউবীলাইনা শাউজুনা ময়া কাথোক্তুনা কাপ্লকপদা মীয়াম কাগ্নুনা চেংরে, ঈশিংদা কুমজুনা ঙা ফাৱিবা মীয়াম অহ্ ঙা ফাতুনা চাবা হৌবক্লে। ঙা ফবা লেপ্লে। ঈশিংদ কুমজুনা ঙা ফাবা মীদা নতুনা খোঙবান্দা হৈকক বখোং হেকচবী হুপী অঙাং ফাওবা কাহুনা চাবা হৌরক্লে। লৈবাক অহুমগী নিংথৌনা মনাই মশাল অকন তথৈ পুমমক থাদোক্তুনা মথুং থাঙ তা লোঙ পায়নুনা মায়কৈ •রিবগী পাউবীলাই হাংলু হায়না লাউ খোংজুনা হি তেংজুনা কুমক্লবদা পাউবীলাই শাউবা হেঙ্গংলক্লে। মহাকী শাঙলবা মকোক অহ্ থাঙ্গৎতুনা ময়া লাউনা কাথোক্তুনা বাম্বদা মচিন্দা মৈনা ফ্রি ফ্রি হৌরকলে। মৈরিনা চাক্তুনা মী কয়া শিরে, যুম কয়া চাক্লে। শংলবা মচৈনা হুবদা লৈবাক থক থক নীকই হাইবদা য়ুম-কৈ কয়া অমমু থুদেক্লে। খুংলায় পায়বা অকন তখৌ কনা অমতনা মনাক্তা চঙশিনবা ঙম্ল্রে, থাং ঙা খুংলায় অমতনা মাবু শোকহনবা, নাহংবা, চৈনাখে ল পীবা ঙমদ্রে। পাউবীলাই হাংপগী মহুতা মী মশীং নাইদনা শিংক্লবদা লৈবাক অহুমগী নিংথৌদো ময়তানরে। মাগা শীংনবা য়ারহৌই খমরতুনা লৈবাকী অমাইবা অমাইবী কৌহৎলগা অথেন-পোং লাঙহনা নিংথৌ অহুমা মঙক্তা চৈর কি য়েংতুনা মখু লৈদা তাতুনা মখুং লোয়হনা হায়জরক্লে। অমাইবনা লাইহৎলোন কামহুনা লাইশোল তিনশোল শোন্দুনা চিংগু নতিক্ চাউবনি খোযুব নশোং কাংবিগনু হায়না খয়োম কাক্লুনা ঈরাং খৌরিবদা পাউবীলাই শাউবা ফমহুনা শাংলবা মশাহ্ খুমপ অমদা তেনশিন্নগা

ঈশিংদা নুপথরগা মকোক থাঙতুনা কৈরে।' শরিক চোমজাউ পায়রবী লৈবাক্কী 'অমাইবীনা চিংঙু লাইপাউ পীরকনে। "হে নমু তাইবং নিংথৌ ইন্দুকনু চায়রোই! নখোয়না ঈবাঙথৌনিদুনা হায়জবসে ঐ পেল্লে। মোইরাংগী খোংজিন্দা উমঙ খায়া চাউনা শায়রগা নুমিৎ খুদিংগী চাক শংবাই অমগা মী অময়মগা নুনিং যুংবা মতমদা চাকথাক পীয়ু। নোংমগী ঐগী চাকথাকনি কায়নরবদি লোক্তাগা মী কুম্থুনা ঙা কাবা য়াগনি।" অদুম্মা লাইপাউ পীরম্লগা পাউবীলাইনু লোক্তাক ঈয়াইদা নুপথখি।

চিংঙু লাইপাউ অসি নিংথৌ অহুম তাম্রে, চিংঙু চাকথাক কায়ইনগদবসি, লোইদাম থাবুম অমমম চুপ্পা চাকথাক পুনসি য়ানরে। অহৌবা থাসি লুহাং নিংথৌনা চাবথাক পুবগে হায়নে। নিংথৌনা লৈবাক্কী অহুম অথৌ কৌথংলগা তান্নবদা লুহাংগী খুত্থং মাপন্দগী যুমথোং খুদিংগী পালি নাইনদুনা নহা অহল থায়দনা মী অমগা চাক শংবাই অমগা পাউবীলাইগী চাকথাক পীসি লেপ্পরে। লৈবাক নিংথৌগী য়াথং অসি লোইশঙ্গ চা থাদুনা যুমথোং খুদিংদা চংদুনা পাউ পীরে, পাউবীলাইগী পালি থাবা হৌবে। অসুম্না লুবাংনা যুমথোং খুদিংগী পালি নাইনা মী অমগা চাক শংবাই অমগা পাউবীলাইগী চাকথাক হুন্দকপসি কোরৌশিংবুম ২৯ নি গুপ্রে। অয়োইবা নুমিংকী চাকথাক অসি চহুই লৈয়োংপাগী মথা মচাদা মথেরগী পালি থোকনে হায়না সিংথোগী মনাইশিংনা নোংমা মাঙজোননা পাউ পীরমে। পাউ অসি তাবদা খুবাই নাংমৈ হৈবেম্মা মপারি চহুই লৈয়োংপাম্বু কৌশিল্লগা, "পাবি ইবুংঙো হুংশিবা লাইবক চাউবা নহাক্তি পিক্লা পম্মৌ শেংনবনা চানিংবা নবুক থকা, শেংনিংবা নমাই থুংদনা লায়রবী নগানা য়োকচরকপগী পাওং লাদ্রেপ কারকপগা মঙহৈরি। নমা ঐদি নপাম্না থকয় নাইরিঙদা চানিংবদা চা, শেংনিংবদা শেংদুনা নুংঙাই য়াইফনা পানজদুনা অহল থইনরকি।

শানা, পাঙল শোল্লবী, পুন্সি চেংজেল য়াম্লকবী নমা ঐদি হয়েং পাউবীলাইগী চাকথাক ওইরবগে। "পাবি নহাক্না পাগী পারেপ আল্লকউ, পুগী পুরেপ য়ৌরকউ" হায়না মপারিবু পাওমেল্লে। মমাগী বাহ্ন চহুই লৈরোংপাম্বা য়ানিংদে, মহাক মশামক পাউবীলাইগী চাকথাক ওইরুগে হায়রক্লে। অসুম্না মমা মচা অনিদো ঐ চংকে ঐ চংকে ভাঙনবদা ইমুং রায়শিল্লক্লে। অরাবা রাখলনা মুংবংনদুনা তুমথখিবদা খ্বাই লাংমৈগী মমঙদা লৈখিদ্রবা মশারি লৈত্রেং ঈশিং চাইব লাক্কনা নমা নচানা করিগী অদুক রারিবনো, ইতাও কবুই তোম্বদা তাকলুচো, মাদি লাইবা তিলবা খঙবা মাইবনি তাকপিরে। খ্বাই লাংমৈ মিকপ খংথোক থোরক্কনা মপারি চহুই লৈরোংপাম্বা হৌদোক্লগা চমং হাওখুনগী খুল্লাকপা কবুই তোম্বগী ময়ুম তাক্কনা অহীংদা থারম্মী।

মমাগী মাথং পুরগা চহুই লৈরোংপাম্বনা অহীং তংলৌ অথেংবা মীচিক মীরাউখোল তারক্লবা মতমদা লৌইবী চমং হাওখুল ত্মাং। চেম্না চেম্না লাকই। তংখোং, নারিক শিঙলক শম শমদুনা চেল্লকপনা চমং হাওখুল য়ৌরে, কবুই থেম্দা কমদুনা নোং কানবা ভাইদুনা লৈরে। মতম অসি চমং হাওখুলদা মখোয়গী লগংকৌবা লাই অহু হরাওবগী হুমনি চনবা মুমিংনি। মুনিং অসিদা কুবাক লমদাইনবগী হায়া থেংনবা য়াওরৌ শা হুঙদে, নমু তাইবং মী খঙদে অফংবা অমা ফায়গা শরেল চম্নবগীদমক্ত। অদুক অঙনবদা হাও পাখং মঙানা শা থিবা থে রক-পদা ঈশিংখোং ময়া কবুই থেম্দা ফমশিবা চহুই লৈরোংপাম্বগী থেংনুরে। মখোয় মঙানা ফাগদবগী হোৎচিল্লকপদা চহুই লৈরোং পাম্বা মত্তোয়দগা কুনরে। ভাহাক কুনরগা হায় মঙানা হেঞ্জিল্লক্কনা ফুরে, মখুৎ পুন্দুনা হয়াওবুং তাম্না পুরকলে। চহুই লৈরোং পান্নুনা ইপা কবুই তোম্বা উনবা লাকপনি হায়বহ্ন তাদনা মখোয় মঙানা চিংদুনা পুথংলকপসি. শমু লৈমনা মরোই হাও লৈশাবী

অনিগা গোয়নবা ঈশিংখাংদা ঈশিং শোকপা কুম্নকপদা খেংনহুনা হংবদা মতা খ্বাই লাংমৈগী মপাগি চহুই লৈরোং পাম্বনি খঙলবদা মশাবি কবুই তে'ম্বদা তাকহুরে। কবুই তোম্বনা চেন্নক্লুনা চহুই লৈরোংপাম্ববু থাদোক্লগা অহীং তাংলৌ অথেংবদা মাগী নাক্তা লাকপগী মরম করিগীনো হংবিবে। ঙসি হুনিং য়ুংবদা লোক্তাক্কী পাউবীলাইগী চাকথক পীবহু ইমা ইচাগী পালি থোকলে। ইপানা চানবিহুনা ইমা ইচাগী য়াইবী কনবিয়ু হায়জরকপা মপাবি শক্লবা চহুই লৈরোংপাম্বগী রাতু তাবদা কবুই তোম্বা থিন্দ। থাজ তরেংতা শাবা থাঙ, অহু পুরগা শমু লৈমদা তাক্লমলগা মপা মচা চেন্নকলে। মগোয় অনিনা চেন্না চেন্না লাকপনা ঙাংখ খুলগী খুজিন উয়ুং মখোং য়োরকপদা কবুই তোম্বনা লেপহুনা "পারি ইবুংঙো নংনা য়ম্নেং অগাবা তারক্লবা মতমদা মকম অসিদা লেপহুনা নমায় লোক্তাক্তা ওন্দুনা হা ইমান ঙারাক পুংদোংবা হায়না অহুক কৌ। চোথে পুংদা পোকপা লোক্তাক খোংবান্দা চা তুবা নপা লৈত্রেং ঈশিং চাইবনা য়োক্লমবা কাওরেল যণজাউ অমা লৈবনি। মানা ক'রক্লুনা নহাক্কী অরাবা কনবিবগনি, তঙম্বা মতেং পাংবিরগনি।" অসুম্না মচাদা মরম পুম্নমক তাকপিরগা লেপতনা মযুম তান্না চেন্না চেন্না লাকলে।

অসোমদদি খ্বাই লাংমৈনা নোং হেক ঙানবগা লৈরোয় লৈকায়দগী চেং নীরুরগা পাউবীলাইগী চাকথাক হুন্নবা চাক শংবাই অমা থোংবা লোইরে। চাকয়াম অহু শংবাই অমদা হাপচিন্নগা মপারি হন্নকপা ঙাইহুনা লৈরে। কোন্নৌ বাতোন লোয়ক্লবদা নিংথৌগী থৌদাপুবা লোইশঙ মচা লাক্লুনা মতম ওইরে, চংলসি হায়ররে। খ্বাই লংমৈনা ঙাহাক্তা ঙাইবিখে। ইপারি চহুই লৈরোংপাম্বা লাক্লগনি হন্না হন্না হায়জববু কে'রৌ কোক্তোন লোমলকলে. হুমিং য়ুংগদোরে চংলসি তকশিনবদগী থাঙবা য়াদহুনা

মোশঙ্কু লাইবক চাউখৌনো চাক শংবাইহ্নু পুন্নগা সন্নেন লোক্তাক পাংলকপদা মবুং কবুই তোম্বগা মপ রিগা লম্বীদা থেংনরে। চহুই লৈরোংপাম্বনা মমানা পুরকপা চাক শংবাই অহু পুবগা মশা কবুই তোম্বগা লোম্ননা পাউবীলাইগী খারা শারিবা মফম অহু তাংনা লাকলে। মফম অহু য়ৌরবদা কবুই তোম্বনা মচানা পুন্নিবা চাক শংবাই অহু লৌথরগা, মাবুস্থ ময়ুমদা হনগে তাক-পিরে। চহুই লৈবো পাম্বদি য়েংনিংদুনা ময়ুমদা হন্দন খরা চংলগা চরোং হাবুং নকুনদা লুমহুনা য়েংগদবগী লোংতুনা লৈরে। কবুই তোম্বনা লোক্তাক খোংথংদা কুমথরগা মপোপ চুম্বা থরাংতৌ অমা মাগী থাংজ তরেংতা শাবা থাংনা মখোঙ, থেংনা য়াম্লে। লুম্বাংতৌ অহু লনা ওন্দুনা ককলে। থাঙদা লাইবা শোল্লগা তৌগী মখোক অহু মাপল খোক্না খায়দোক্লে, লোঙশা মাপল লোংবা লোঙ শারে। মচিল মাপল লোঙবা লুম্বাংতৌগী লোঙ অহু পাম্নরগা কবুই তোম্বনা চাক শংবাই অহুগা পাউবীলাইগী খারা তান্না কুমথরক্লে। খারা মথন্তা চাক অহু থম্ন। কবুই তোম্বনা ঈম্নাইদা মনঙ্গন ওন্থোক্তুনা খোঙ্গাই চন্দুনা ফমলগা চাকয়াম অহু চাবা হৌরক্লে। কোরৌনা কোক্তোন হায়রকপা লুমিং চপ যুংলক্লবদা মাগী চাকথাক চাগদবগী পাউবীলাইনা লোক্তাক ঈপাইদগী তাউখংলক্তুনা খারা তাম্না চঙশিল্লকপদা কবুই তোম্বনা খারাদা ফমগা চাক চারিবহু উরে। মহু উবদা পাউবীলাইদি শাউবনা ময়া কাথোক্তুনা মরৈ তিংথোক্লগা ক্রি ক্রি কাম্লকলে। মানা শাউতুনা মমৈ হাইবদা লোক্তাক লৈনাং তারে। ঈশিং মনুংদা ঙা ময়াম লৈবা ঙমদতুনা তাউখংলে। পাউবীলাইনা ময়া লাউনা কাথোক্তুনা কবুই তোম্ববু য়োংকদবগী ঙংতুনা পাইশিল্লকপহু উবদা তোম্বনা 'মনাক্তা থম্লিব' মচিল মাপল লোঙবা লুম্বাংতৌগী লোঙজিন্দা লাইবা শোম্নবদা লোঙশা মাপলগী মচিন্দা। মৈখি খ্রি ক্রি কাম্লকলে, লোঙজিন অহু মৈনা পুমঙাং

ঙাওলে। পাউবীলাইনা শাউহুনা ময়া লাউনা কাথোক্লগা য়োংক-
দবগী চোংশিল্লকপদা কবুই তোম্বনা মাগী লোঃনা পাউবীলাইগী
লুশমদা থিল্লে! মৈচাক ফংবদা চৈনাখোল কাওরবদা পাউবীলাই
মমায় ওম্বুনা চেল্লে। মৈগী মৈশানা মশা পুম্নমক চাকয়েক্লুনা
লোক্তাক ঈরোলম্বুংদা লৈবা ঙমদহুনা কংফান্দা কাথংলপা এন
থোইনা খোং লাউহুনা চৈনাখোল খাংলম্নগা পাউবীলাই খুদক্তা
শিরে। কদুই তোম্বনা মখুৎ প য়রিবা থাঙ অহুনা মতুপ তরেং
থোক্না কক্লে ঈনা ঈখোং ওইনা চেল্লে। পাউবীলাই শিবগী প'উ
তাবদা লুংঙাইহনা লৈবাক অহূমগী মীয়াম পুম্নমক থোরক্লুনা
য়েংনরে, নিংথৌ খল্লমম্নু থোরক্লে। অশিবা লাই অসি থম্মবদি
কিনরগনি খল্লুনা লৈবাক মীয়াম্না মোইরাং খেংজিন তুরেন্দা
ইম্বহুনা থাঙ্গা চীংলক্তা পুরগা খরদাক তাহুনা পুল্লেন পাংতা
তাহুনা পুমথি। মুরাং নিংথৌ খাংতেক সুক্লাইবা পেল্লহুনা কবুই
তোম্বদা ইপুনা পাম্বা তাকপিয়ু। ইপুগী নপালদগী লৈবাক মীয়াম
হিংলিবনি হায়রক্লবদা কবুই তোম্বনা মখুৎ লোম্নরগা " ননাই
নপুনা পাম্নবদি ইতাউ লৈরেং ঈশিং চাবগী মপারি চহুই
লৈরোংপাম্বসি মপানা ওইরমবা ফমদা হাপ্পিয়ু" হায়জখি।
নিংথৌনা চহুই লৈরোংপাম্ববু খুদক সুরাংগী ফমাইবা হাপ্পিরে.
হয়েং মতিক মাপা চারগা প গী পারেপ য়োইনগে তাকপিরে।
অসিদগী কবুই তোম্বা মথরায় লুংঙাইনা মম্নমদা হনখি।

চহুই লৈরোংপাম্বগা লৈমা হুমুলেম্বীগা মুরা পাখং অনিনা
লুংশিনবগী পাউসি তাবদা পলেম মমা খাই লাংমৈনা চত্নুনা
হুমুলেম্বীগী মমাদা মচানুপী পীবু হায়রে। মপা হাবতক্লগী
লুংশিনরক্লব তম্বা চংকলুক অমত্তদা চাম্নিরক্লবা অথৌবা অনিগী
মচা অনিদো খাজনরে অমখা মুমিং খা য়েংলগ, আঙৌজিং হৈজিং
কাহুনা লুহোংসি য়াজরে। নোংমা লুরাং নিংথৌ খাংতেক হুক্লাই-
বদা মনাই মশলগা লোয়মনা য়াংবৌ শাদানবা চংপদা লৈমা

স্বস্থলেম্বীনা লাইজ ঈপাল লাংগদবগী মখুত্তা পুল্লাং অমা পায়রগা তুরেন্দা কুম্নকপদা মশক মতৌ চংখোনবী মুরাগী মায়থোং থম্বালত্থ উক্লবদা মপুগী পায়-। খোয়দাপ্রবোই পলেম পম্বৌ কনাগী মযোম্মো হংলক্লে। কোয়ৌ নোঙ্গানখ্রবা নোংম্রাই লৈচেং অরাবগী অমত্তা পোকপী মমোম্নি কোলোয় মিংলেম্না স্বস্থলেম্বী কৌই, নহা ওইনা ফম্নাইবা চস্থই লৈরোংপাম্বদা তাউজিং হৈজিং কাহ্নুনা থাজখ্রে হাম্নবা মনাইশিংগী য়াহ্ন তাবদা নিংথৌ পূক্লিং খোয়রাংলে। মুমিং অহ্ন য়াংয়ৌ শা অমত্তা ফাদনা হল্লকলে। নিংথৌনা তরেং তরা রাখল তৌরগা' চহুই লৈরোংপাম্ববু থারম হাওখুলদা লোইপোং থোবা থাগে, হাওয়াম্না হাংতুনা চস্থই লৈরোংপাম্বনা য়াইবী থরায় থাখ্রগা লৈনা স্বস্থলেম্বীবু তালোম্নশিংদা চনগে লুম্নেল লাদা য়েক্কে মপুগী পায়মা মুংদা চপ য়ুংনা লেপখ্রে। থারম হাওখুল হায়বসি অকন অথৌ য়াম্না লৈবা শাথিবা হাওখুলনি। লৈত্রেং ঈশিং চাইরবু কিবদগী চহী খুদিংগী লুবাং নিংথৌদা লোইপোং কারগনি। লৈত্রেং ঈশিং চাইবা, নোংম্রাই লৈচেং অরাবা অঙম্বা অনিনা লৈখিদবা মুমিত্তগী লোইপোং কারক্লবা হাওখুলনি। 'নিংথৌসু কিবনা লোইপোং থোবা চংপা ঙমদহ্নুনা লৈরিবনি। লুবাংগী অঙম অথৌ কনাগুম্ববু নিংথৌনা রায়েল চৈরাক পীগে খল্লবদি য়াইবী লৌবগী মহুৎ থারম হাওখুলদা লোইপোং থোবা থারম্মী। থারম হাওখুলদ লোইপোং থোবা চংখিব. অঙম অথৈ. কনা অমত্তা মথায় হিংনা হল্লক্তে। অসিগুম্বা লৈবাক নিংথৌগী অকনবা চৈরাক অসি মরাল লৈজত্রবা নহা ওইনা ফম্নাইরিবা চস্থই লৈরোংপাম্বদা পীরিবসি নিংথৌনা লৈমা স্বস্থলেম্বীবু পাম্বদগীনি। মপারি চস্থই লৈরোংপাম্বনা থারম হওখুন্দা লোইপোং থোবা চংকনি পাউসি তাবদা পলেম মমা থাই লাংমৈদো মপারিবু কোম্নুনা কপ্লক্লে। চিংঙ্খোয়ুম নোংদম্বা অমত্তা পোকচবা ইপারিগী য়ামজেম লাইবক্তা ওহোক্লা থীনা

তম্বিখ্রে দকো হায়না ঙাহাক কপ্পুরগা নিংথৌনী সনা য় থবু বিবদগী মপারিনা চানবা তরা চয়েন য়োমবিরে। পলেম মমাগা পুকমেন পাওং য়রগা চহুই নৈয়োংপাম্বা লুবাংগী খোংমী লানমী তমব ন্নুগা ১০ পুত্থনা থারম হাওখুন্দা লোইপোৎ থৌব চৎখি! নোংমগী লম্নী চৎলগা থারম হাওখুল য়ৌরে, থারমগী পম্বোংদা লেপ্তুন থারমগী খুল্লাকপ, থোরকউ, লোইপোৎ থৌবা লাকই হায়বা তাবদা মবোই হাওনা পাউ ওবা চৎখ্রে। লুবাং নিংথৌনা মনাই মশল থারক্কনা লোইপোৎ থৌবা লাকপগী প উসে তাবদা থারম খুল্লাকপা শাউত্থনা হাওবুং য়হুনা মরেই হাওয়াম গোল্পগা চয়েন লানগীদমক্তা শেম শাত্থনা নৈখ্রে। পাউ অসি চমং খলনী খুল্লাকপী, কবুই তোম্বগী তালে য় শমুলৈমনা তমদা পোৎ হৈচ নৈবা কুম্নকপদা তারে। মান থুনা য়াংনা মোইরাং তাল্লা চেনখিত্থনা মতা খ্বাই লাংমৈদা তম্মুরে। ইতা ইবেম্মা নপারি চহুই নৈয়োংপাম্বদি থারম হাওখুলদা হাংয়ামগা লুয়েল লাম্বং-ন দবগী শেম শাত্থদা নৈহৌরে। থারম হাওয়াংগী মথুংতা নপারি শে য়দনা য়াইবী থব্রায় থাবা তারে। লাউ ইতা ইবেম্মা ঐগী ইতুং ইল্লকউ, নপারিগী য়াইবী থব্রাই কনবা ঙম্ব্রা য়েংঙসি হায়না মখোয় অনিনা চেল্লক্কনা ঙাংখ খুঙ্গিলগী উয়ুং মখোং য়োরকলে। শমুলৈমনা মতা খ্বাই লাংমৈদা নশাবি নৈত্রেং ঈশিং চাইবনা লোইরম্বা লোক্তাক খোংবাম্দা চাক্তাম্বা ঙারাক পুংদোংবা কৌবা কাওরেন ষণজাউ অত্থ কৌম্বৎলগা নপারিগী য়াইবী থব্রায় কন্নবা থাসি তাকপিরে। শমুলৈমনা তাকপিবা মথুংইন্না খ্বাই লাংমৈনা মমায় লোক্তাক পাত্তা ওম্মুনা "হা ইমান ঙারাক পুংদোংবা" হায়না অহুম্নক কৌবদা মচুম তারবা লাইওইরবা ষণজাউ অত্থ চেল্লকলে। খ্বাই লাংমৈনা মকোক থুম্নহনা ষণ তত্থুদা থুক্কুম্নগা থারম হাওখুলদা লোইপোৎ থৌবা চংখিবা নতাউ নৈত্রেং ঈশিং চাইরনা পোকলম্বা ইপারি চহুই

লৈরোংপাম্বগী ম্নাইবী থরায় কনবিরু হায়জরকলে। তাইবং মীবোল খংলবা কাওরেল অহুনা মমৈ থেকংতুনা খারম হাওখুল তান্না চেনখি। অসোমদা খারম হাওয়ামনা মথুংতা থাঙতা চোঙ পায়দুনা কুমথলরুগা চাহুই লৈলোংপাম্ববু পলোন শানা কোম্বশিনখে। খারম খুল্লাকপনা থোরক্লুনা চহুই লৈরোংপাম্বগী তাংজ ম্নুরেন করুগা পীযু হায়ররুবদা মরোই হাওয়াম্না হাংকদবগী থুংলায় পায়দুনা মায়কৈ মরিদগী তকশিল্লরুবদা চহুই লৈরোং পাম্বনা চেনফম তৌকম খঙদুনা চপ লেপ্লুনা লৈরিবৈদা ভারাক পুংদোংবা কৌবা কাওরেল অহুনা খোং লাউদুনা চেল্লরুগা খারম হাওয়াম পুম্নমক তানখায়রে, হাওয়াম কিদুনা চেনখে। চহুই লৈরোংপাম্বনা নুরাংগী তমব মুপ ৫০গা লোয়ননা হল্লকলে, মপা ভারাক পুংদোংবস্থু লোক্লাক পাংখে।

খারম হাওখুন্দা লো পোৎ থৌবা থাম্বিবা চহুই লৈরোং পাম্বদি হাওয়াম্না হাংদুনা ম্নাইবী থরায় খারম্নগনি খন্দুনা নুরাং নিংথৌনা লৈমা স্থহুলেম্বী' লৌরুনবা মনাই মশল থারকলে। পাউ অসি তাবদা লৈমা স্বহুলেম্বদি ময়ুমদা লৈবা মাদহনা তাইবং কনা অমত্তা খঙহন্দনা মশাবি চহুই লৈরোংপাম্বগী ময়ুমদা লোন্না চেল্লক্লুনা লোংলরে। লৈমা স্থহুলেম্বী লৈতবগী পাউসি তাবদা নিংথৌ পুক্লিং খোয়শাউরে, অহাং তাংলো অথেংবদা মনাই মশল ময়াম থাদুনা খুঙং লকায় শিনবা থুংনা চাইথোক্লুনা লৈমা স্থহুলেম্বীবু থিবা অহাং অসিদা চহুই লৈরোংপাম্বা ময়ুমদা থুংলরে। পাউসি তাবদা চহুই লৈরোংপানবনা মশানৌ পুরগা কবুই তোমবনা তাকপা মকম শংখ খুলগী খুজিন উয়ুং মখোংদা লোংদুনা লৈরে। মনাই অমনা নিংথৌদা চহুই লৈরোংপাম্বগা লৈমা স্থহুলেম্বীগা অমিনা লোংদুনা লৈরিবা মকম অহু তাকলুরে। নিংথৌনা মনাই অকনবা তমব মুপা মঙাগা লোয়ননা লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা শংখ খুজিন লমলেন উয়ুং মখোং তান্না লাকলে।

নিংথৌনা মনাইশিংগা লোয়ননা লাকপদু উবদা চহুই লৈরোংপাম্বনা লোক্তাক পাংতা চন্দুনা "হা ইমান ঙারাক পুদোংবা!" হায়না অহুমক কৌবদা লোক্তাক খোংবান্দা চাক্তাদুনা লৈরিবা কাওরেল মণঙাউ অদু চেল্লকলে। চহুই লৈরোংপামবনা খুরুমগা নপারিগী য়াইবী কনবিযু হায়জরক্রবদ মণনা চেনশিন্দুনা লুবাং নিংথৌ থংতেক স্রুক্লাইববু মবুক্তা মচিনা লেংহুনা হংলে। নিংথৌ শিরবদা চহুই লৈরোংপামবা লৈমা সুন্দুলেমবী শাবি শানৌ অনিদো য়েক্ক তিংখং লৈতমা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পানখি।

পাউবীলাইগী বারীবু তাবদা বাইনু অমোম মোবী থৌদনবী থম্মোয় পেন্না নুংঙাইজববোই মশাবি কদনবদা পাখং ঙানবা নুরা শংলৌলেম্বী শাবি শানৌ অনিগী নুংশি শাইওন রারীবু মখা তাবিরে হায়জরকে। চিংঙু ঙারম শুনা কাগে মপুক্লিংদা চপ য়ুংনা খঙিবা ঙাংবনা মবপ মপীজা কনামজ্ঞা য়াওদনা পলেম মমানা লাংলিবা হৈরম লৈনম পোংলম পুন্নমক পুবগা লম্নেন লোক্তাক পাংলক্লে! চিংঙু নোংত্রন লাইরেন পাখংবগী শাইওন পাউবী-লাইগী ঈরেন্দা কুমদুংা ল'ইরা তিলরা শোন্দুনা চিংঙু খয়োম লাকলগা থাংজীং লাইবু চেংনা থাগোন্নদুনা অরাংপা চিংঙু ঙারম কাবা হৌরকলে। চিংঙু মানা চানবিরবনিনা কোরৌ কোক্তোন রায়রকপদা অরাংপা লেমলৈ ঙারম তরা অহু ফারগা মপু মোইরাং নিংথৌগী নাক্তা চঙলক্লে। চিংঙু ঙারম চামা শুববদা নিংথৌ পুক্লিং নুংঙাইরে। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী ঙাবংহনবা ফম্বু মদাইরেম ঙানবদা হাপ্লিবে। পাউ অসি তাবদা লৈবাক মীয়া হাওনরে, ঙানববু পোকপী পলেম মমা লাং-লেনহনবীদি মখুংসা কোরৌ নোংমদোল কংবগুম নুংঙাইজয়ে। নিংথৌনা লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীগা লোয়ননা চিংঙু 'খুয়া খাদা ঙারম চামা কংলে।' থাংজীং লাইনা পেনবিবদগী কেগে মোইরাং লৈবাক নোংমা মোংমগী অরাবা শরক মাঙখিক্লা

মুংঙাই য়াইফ মঙাল ফাওরক্লে, কেগে চাবহোং ঙাহোংলে, মোইরাং খুনজাউ লৈচাউরে, লৈবাক নিংথৌ মবা তপনা মুংঙাইনা পাল্লে।

মপাবি ঙানবনা কেগে লৈবাক্কী ফন্নাইবা ঙ'রুংহনবা ওইবদগী লাংলেনহনবী এমাদো শেংপা চাবা মনীং থুংনা মুংঙাইনা পাঞ্জরে। নোংমদি ঙানবনা ইকায় ইকি রাংমা লান্না মুরা শংলোলেম্বীগা শকখঙ মায়খঙনখিবা অপাম মুংশি রায়খুনসি শরি রাশক পন্দোন লোয়খিবা রাফম কয়াবু মম দা পাউদমজরে। মপারিগী রাহু তারগা পলেম ওইবী মাদি মুংঙাইবগী পন্দোন লোমখ্রবোই হোয়নি মায়নি পাউখুম পীদনা নোং হেক ঙানবগা মবুং শরুবা প থংলাকপগা মবানয়াইদা চৎতুনা মমোম লাংলেন ইবেম্মা শংলো-লেম্বীবু মপাবি ঙানবগীদমক পীনবিয়ু তাউজিং হৈজিং ক'জরক্কে হায়না অঙম্বগী মফমদা চরৈ ফিগাউ শানা নীজরক্লে। লাংলেন-হনবীগী রাহু তাবদা পাথংলাকপা থম্মোয় পেল্লে, মুজা মাবু চিংনা য়েংলগা মমিংতা তবংগী লাইজ শিন্থরকপে। কোরৌ নোঙ্গানখ্রবা লৈচিল খোংনেৎনখ্রবা পথৌ মরূপচা লাংলেনহনবা মচাউবু কৌরগা অঙম্বা নোং খোংবঙুম কপ্লকলে। "পাথৌ ইবুংঙো মুংশিবা, তাইবং চিঙ্গাক য়াম্লক্কবনা মন্নুং মতম চাদনা কোবৌ নোঙ্গানখিবনা নপারি নমোম অনিবু পাথৌ নঙদি উবা ফংদ্রেদকো।" অম্মুম্মা ঙাহাক কপ্পুরগা মমোম লাংলেন ইবেম্মা শংলোলেম্বীবু কৌথোক্লগা মমা মচা শকখঙ মাইখঙনহল্লে। মুরা মাসু পেগ্রবে অপোকপী পলেম মমা অমা নৌনা ফংজবঙুম। তাউজিং হৈজিং কারগা লুহোং খেংদোংনবা মুমিৎথা লেপ্পরগা লাংলেনহনবী মরানয়াইদা হল্লকলে। কৈরোয় লৈকায়গী অহল লম্মনগা শতান্নরগা তাউজিং হৈজিং কাহুনা ঙানবগা শংলোলেম্বীগা হৌনবী মতুং ইমা লুহোংহনা মরানয়াইদা পুরকলে। অপাম মুংশি রায়খুংনরবা মুরা পাগ্রং অনিদো মুংঙাইবগী ঙমখৌ লৈখিদ্রে।

শংলোলেম্বীগী ঙানবগা মুরা পাখং অনিনা অপাম কাদা রায়খুংনবা পাউ অসি তাবদা নোংলৈখোম্বা মঙোন্দসি মচিন তুম্বা তানা খম্বোয় থুম্না থিনবগুম্লে, চাকম থককম, খঙদনা অঙাওবা মীগী মতৌগুম্লে। করম তৌরগা মখোয় অনিসি কায়না মৈশা লাংহন-সিগে তবেং তরা খোক্না খল্লকলে, রাখল নংজিল পুনখরে। ঙানবগী মথক্তা ফোংনা লম্মন খুম্বদি নোংলৈখোম্বা মাগী মতিক ওইদবনা মরাল লৈজত্রবী শংলোলেম্বীগী মথক্তা লম্মন শিংগে পাযমা হুংদা খল্লকলে নোংলৈখোম্বা। কেগে লৈবাক চাউবনিনা অফবা মীনুংশি খঙবা মীশ্ন কোঙাইনি. ফত্তবা মীনুংশি খঙদবা মীবু মাঙহনবা ঙমবা মীশ্ন মশীং রাহে কেগেদা। অহুগুম্বা ফত্তবা মী থিরগা নোংলৈখোম্বা লোম্না রা তাম্নবা হৌরকলে। মপু মোইরাং নিংথৌগী ম্নাখংদগী ঙানবনা খোংমী লানমী পুরগা লোইবী শীংদা চহীগী লোইপোৎ খেবা চংশিনবৈঙেদ নোংলৈখোম্বনা কৈরোয় লৈকায়গী ফত্তবী মচন মনেমদা তরেং শেঙা পীদুনা অচা অথক্তা লোম্না তাংজ লিনগী হূ হাপচিন্দুনা শংলোলেম্বীদা পীজরে। লাইবকচাউবী মুরাদি হূ য়াওবা পোৎ চারুবদগী লাইজ ঈথৌ লাংবত্থু মবুক থম্না অরাম খোবাংবা কোক্লবা লাইজ ঈশিং থকলুবদগী হুনা মশা পুম্বা শীনবা থুংখ্রে। মুরা মাদি মকোক ঙাওরে, মমিং অনিহু উংখ্রে, রানা পলেম ১ম হল্লকপা ঙাইদুনা লৈবে। লাংলেনহনবী মমানা কৈথেন্দগী কুম্লকপদা মগে শংলো-লেম্বীগী ১তৌ উবদা হুংশাথীহনা কৈবাকী ভখং অহে মাইবা কৌদুনা লায়েংহল্লে, মুরাবু পোকপা পলেম পম্থৌ অনিম্বু কৌরুহনা থুংলরে। মীয়াম চঙদুনা হিদাক লাংথক থাদুন লায়েংবদা অনাবা ফবা ঙমদ্রে, তৌরাং থক্তা ওন্দুনা খোয়েন শাংনা য়াত্তাখ্রে। মুরা শংলোলেম্বীনা মহুং মতম চাদনা য়াইবী থবায় শারবদা পলেম পম্থৌ ওইবশিংদো কন্দা লোইবা লৈখিদ্রে, কৈরোয় লৈকায়গী মীয়ামশু থম্বোয় পোক্না হুংঙাইনদ্রে।

অয়াঙ্গা লোইবী চীংদা নিংথৌগী. থৌদা পুহনা লোম্পোং থোবা চংশিবা, ভানবগী খোয়েন মঙলানচান্দা মশানৌগী অকাবা মৈয়াক্কো মঙকাওনরে। খোংম্বী লানমী পূময়ক থনমগা ভানবা মরানয়াইদা চেন্নকপদা মশানৌ মনেম্মচানা চংবী অকু মতুপ তাংগুম তোরাং ফক্তা খোয়েন শাংনা য়াম্তারম্বহু উবদা চেন-শিল্লকুনা মশানৌ মনেম্মচাবু কৌরগা নোংং থোংবগুম কপ্পকলে। "ইশানৌ নঙনা নশাবি ঐবু তাক্লমদনা কোরেৌ নোঙ্গানখ্রগা ইতেংমদা তাইবং মালেম অসিদা করম্না লৈবগিগে? নশাবি ঐনা শানৌগী মার খোঞ্জুল লীবক্কে, য়াংদৌ লম্মথাংদা ভাইরমখো।" অসি হায়না লাউ খেংংহুনা ভাহুক কপ্পরগা কায়রা। মৈচাকনা থম্নে য় খোংা চাক্লবোই মশানৌ মনেম্মচাগী মুংশি চেংঙৌ মায়থোংবু মনিং কুপ্তনখে য়েংহুনা বা মচেং অমত্তা ভাঙদনা লৈখে ভানুবদো। মশানৌ মনেম্মচাগী অনা লাইওং শিবা মীশি অহু তাবদা ভানব তুমিংা লৈখোকপা ঙম্রক্ক। কল্লক মীহৌ চাউবা ফক্ত লোশিং চাউবা কেগে মচা কনাগী ফক্ত খুজিন থৌরাংনা মশানৌ য়াইবী থরায় মাঙলিংবনো খুঙনিংবনা লোমা লংজা লাংজিন থিবা হৌরক্লে। কৈরোয় লৈকায়গী মরূপ মপাংগী মচিন্দগী মপা হাক্তঙ্গী য়েক্লবা ওইবক্লবা মহাকথক্তস্থ কল্লক থম্নবিবা মীয়ুংশি খঙদবা নোংলৈখোম্বগী খুজিল থৌরাংনি খঙলবদা ভানবদো তুমিন্না লৈখোকপা ঙমলক্কে। য়াংলৈ তাউবা হুইনা ম'নুবী খোঞ্জুল লীবগুম কেগে নোংলৈখোম্ববু থিবা হৌরক্লে। মতম অসিদা নোংলৈখোম্বদি মরূপ মপিঙ্গা কনা অমত্তা তাক্লমদনা নারক মোংশোং, অশোংবা চীংমুং মামুং অসুকপদা লোৎতুনা লৈবি। ভানবনা চাবা থকপা চঙদনা, তুম্বা হিপ্পা নীংদনা নোংলৈখোম্ববু থিরকপদা চিংঙূনা কুবিরবোই মাপা তাম্বা কাওরেল থগুমবা অনিদো খঙহৌদনা থেংনরে। উনবমঙ্গদা বা ভাঙনদে নাকন্দা য়াল্লিবা খুৎস্থ থাঙলেন শত্তোরুহনা থাঙগী জগোয় শাম্নরে

থাঙলেন নোংথাং কুপনরে। য়াইবী মথুবাক্তা হাপতুনা খোঙকম খেংনত্তনা হন্নবা লৈতন অম্বম্না লাম্হেংনরিবা অথৌবা অনিদো, মুমিৎ তারমদাইদা লাঙ্গদবা ঙানবনা হেক্তিল্লক্তুনা নোংলৈখোম্বগী মথুঙ্গো পায়রিবা থাঙ অম্ব ঋথবগা তাংজ লুরেন কৰপা মাল্লরে। অককপা নোংলৈখোম্বগী তাংজ লুরেন্দু পুত্থনা চেম্লক্লগা মশানৌ মনেম্মচাগী মতমপ'ক্তা থম্লগা ঙানবা নোং খোংবগুম কল্লকলে। "শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী, ম্নোইবুনাই নঙবু লাংলেন রাপুম খ.য়বগুম কৰম্না কায়নরসিগে। থমন্নুং মাংবী থক্তা নশাবি ঐবু ঙাইরমখো শানৌ নদোম চংফবোই।" অসি হায়রম্লগা নাকন্দা মাল্লিবা থাঙলেন মথুংস্থনা পাখংগী থম্মোয় লকাদা থুমনা থিন্দুনা থম্নাক ঈয়ম ফাংলে, ঈমু ফিবাক থায়রে। মশানৌ মনেম্মচাবু ঙকথি লুম্নাং কোম্না, থজাই লেংঙন চুপনা শাবি শানৌ অনিদো খিংলৌ চাউনা য়াহিপমিন্নবে, লাইরেন শাংনা য়াতামিন্নরে। মখোয় অমিবু পোকপী পলেম মমা ওইবীদো মপারি মমোম্ম কোন্দুনা কপ্পা হৌরক্লে। শাবি শানৌ অনিগী মুংশি লাংঙন মতৌত্থু উবদা মীপুম খুদিংমক কপনথি কৈথেল অকা অকুমদা নিংঙমদনা শোম্নখি। বেগে মোইরাং লৈকোয়বুংদা মুংশি শাইথন খোঙদারক্লিবা শাবি শানৌগী রারী কয়াবু পূক্লিং চঙনা তাজরিবী মাইস্থু'মোরী খৌদনবীত্থু মপারি মমোম কায়নবগুম অৱাবা শক্লক থুংলবোই পিগী ঈরা শিন্থখি।

খোয়োন হাওবা—য়াইথিংকোনু

খোয়োম তেবী তেশাবা

মপোক লাংওন খুদিংগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নুংশি শাইওন খোঙদামিন্নরকপা শাবি শানৌ অনিনা অপাম নুংশি য়ায়থুংনসি শবি পন্দোল লোয়্নখিবা নুংশি শাইওন য়ারীবু য়াইনু লাবা কদনবদা মশানৌ মনেম্মচা য়াইনু মোরী থৌদনবীদা মথা ভানা লীবিরকই। পুরিংলাই সনা য়েথানা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতুমদা খোয়োন হাওবগা য়াইথিংকোনুগা শাবি শানৌ অনিনা নুংশি শাইওন খোঙদামিন্নরকই। নিংথৌ সনা মহাকথক্তা খোয়োন ভৌবগী মপারি খুম্বোরেম্বনা মপা মপুনা নিংথৌ খুদিংগী কায়দনা ইরাং থৌনিরকলিবা খোয়োন তেবী তেশাবাবু নোংহৌমা তেশা য়াখোং শেংদুনা তয়ান মরী থংতুনা হৈরাং সৈরাং কংনা ইরাং থৌনিজদুনা তেশা য়াহোংবদগী কেগে মোইরাং লৈবাকসি অরাং অপা লৈতনা নুংঙাইনা পানখি। লৈবাক নিংথৌ য়াইকবা কেগে লৈবাক খুনজাওনা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনা পাল্লরবদা পুরিংলাই সনা য়েথানা পেল্লদুনা মদাইরেম খুম্বোরেম্ববু খোয়োন হজবা হাপপিরগা নিংথৌ লৌচা পীবিদুনা খুম্বোরেম্বা অরাং অপা লৈতনা পানজরে। মতাং অসিদা মোইরাং শাইওনগী য়ারীবু মপুক্কি চঙবা ভাজখিবী কগে চনু মোরি থৌদনবীনা মশাবি পোংমহনবা কদনবা কৌবা য়াইন লাববু য়েংলগা "শারি ইবুঙো ঙাইবিগো, য়ারী মথা লিবিবিনু।" ননাওনা অম্সুম ভাজরকপদা কেগে পোকপা লৌয়ারেল, মোইরাং পোকপা কসারেল, চিঙ থাংজীং কোয়োমলাই পালোই তাঙা লাইনিংথৌ মাবু ইরাং থৌনিজদুনা খোয়ুম মানা পোয়বিরবতদা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কেগে লৈচাক [illegible] মোইরাং চাকহোং ঙাহোংনা পাল্লি তাকখিবি। হন্দক মোইরাং [illegible]সনা য়েথানা পানবা মতম অসিদা মবু-

ধৌশিংনা লাংলম্বা খোয়োন তেবী তেশারাব, তেশা রাখোংশেং তয়াল মরী থংতুনা হৈরং লৈরাং কংতুনা ইরাং থৌনিজরগা কে.গ লৈবাক্তা অরাং অপা লৈতনঃ নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লি তাকপিরিবসিব, ননাওদি রাখল লম্ফাংনরে, পুক্লিংদা চিংনবা পোক্লে। খোয়োন তেবী তেশারা হায়রিবা রা অসিব, করম্বা মখলগী রানো লমলেন কৈদা হৌবনো রা অতুগী মবমদা ময়েক শেংনা শুগায়না তাকপিত্থনা ননাওগী পুক্লিংদা চিংনরিবসি কোকংহনবিয়ু হায় ক ল। মশামৌ মনেম্মচাগী মপুক্লিংদা চিংনরিবা রাকম অতু তাবদা রারী লীরিবা রাইমু লাবা কদনবা মোমোন নোকই। মপুক্লিং চঙনা তাজরিবী মশানৌনা চিংনরিবা রাকম অতু চিংনকম থোকই খল্লতুনা ইশানৌনা চিংনরিবতু কোরুবা নশাবি ঐনা হৌখিবা থৌদোক রারীতু লীগে পুক্লিং চঙনা তারো হায়রক্লে। খোয়োন তেবী তেশারা হায়রিবা রা অসি মকম অতৈদা হৌবা রা নত্তে, মোইরাং ঙাংখ খুলদা লৈবা খোয়োন ঙাংগরুংবগী ইংখোন্দা হৌবা লাইগী শাইওন রানি। পুরিংলাই ফাং পোংলনহনবনা মোইরাংদা নিংথৌ ওইতুনা পানবা মতমদা মোইরাং লৈব কসি চাকহেং ঙাহোংনা লৈচাও খুনজাওনা পানখি। নিংথৌ সনা মহাকথক্তা ঙাংখ খুলগী খুলদোন্দা তাবা চীংগী খুল্লাকপা আইনাগী মমোম অমত্তা পোকপী নিঙোল কৌবা চনু অসি মতম অতুদা মশক ফজবদা শাওং শাদা নীংথিজবদা শীংথানরম্মী মহাক্তি চীংমী চনু ওইরবসু মপা মপুনা নীংবা লাই অতু নীংদে। অমম অঙান খায়রিবা মীচং মীথাই নাইদবা মমিংনা নুমিৎ খুদিংগী উজবা য়োইমনাই তাউদনবা অঙানবা নমিং কৌবা লাইবু অঙাং ওই-রিঙেদগী হৌনা নীংজরকপী চনুনি। লৈশাবী কাংদোং ফারুরবা মতমদা নুমিৎ খুদিংগী মকোক মরু তুম্মা শেংনা ঈরু রাইথজরগা কোরৌ-হনবা মঙোন্দা হৈরাং লৈরাং কংতুনা মমিৎ পেম্মা য়েংজরগা নুংঙাইজবা, মাবু উদবা নুমিংতনা চাবা কাওবা হেন্দুনা রানা খাঙজবী চনুনি। নুরা মাগী শেংলবা মপুকচেল নীংজবা পুক্লিংবু খঙবি উবিরিবা

চিংঙু কোরৌহনবনা মপুগী থৌজাল পীবিগে থল্লকলে। মোংমা নিঙোল কৌবী চীংমী চমু অসিনা অয়ুকী য়েন্দা অঙনবদা ঈরু মাইথজরগা য়োংলেন খুত্তা পায়হনা তরা চয়োম পুন্নগা মপাগী পাম-লৌদা পাম য়াল্লিউদা চিংঙু কোরৌহনব মপুনা তাইবং মীগী মীশক লৌন্নগা চরৈ ফিডৌ শেংতুনা ত্তেন্দোং নমদা পোন্নগা মখুত্তা লিরুং পায়হনা লাঙ্গোই শগোল অঙৌবা তোংলগা য়াওরৌ শাদানবা শাতনা পাম য়াল্লিবী নিঙোলগী নাক্তা থুংলরে। শিঙেল লৈবাংগুম তনৌবী চেংলৌ শকহেনবী নুরাগী নাক্তা চঙশিলক্লুনা নুরাগী শিন্থা পাংজগে হায়ররে। চিংঙু কোরৌহনবনা শাহওনবা পাখংগী চেংলৌ শক্তম উবদা নিঙোল কৌবী ইবেম্মা নুরা পায়মা খোয়ঙংনা অপাম. পুক্লিং নুঙোলনা তিল্লাং লুরুরা নুংশিজরবোই মোমন মায়থোং পুঙমদা মালেম লৈদা লুক্কুনা মরাল লৈজদ্রবী ভাতেন মচিন মাল্লবী খোঙবিদো লৈমায় থক্তা তক্কুনা ইকায় চৈনা খাংজরি। পাখং মিৎচি ত্তেনকাপ্পা খোয়ুম মীনোক লাংথাকপা নুংশি মিংচান্নকুবদা নুরা ইনেম্মচাদো উহল কৌবী চেল্লানা য়াওরৌ লাংদা থুবগুম নুরা নানথোকপা ঙমদ্রে। নুরা ওইবী নহাকপু পলেম পম্বৌ কনাগী মশাইকোন্দা শাংলী লৈ-বাংনো? শিঙেল লৈশক উবদা নুংশি লৈনম কংবদা পাখং থম্মোয় নুংওললে? পলেম পম্বৌগী ক্লোলোয় তাক্কট নুরাগী মিংলেল্লা কম্বিনো কোলোয় নপাও শেংবিয়ু হায়রক্লে। পাখং য়ারা তাবদা পাখং মায়থোং চিংনা য়েংলগা নুরা ওইবী ঐদি লোইরী চীংদা শাংপী লৈরাংদি কোলোয় মিংলেল্লা, নিঙোল কৌই। ঐবু পোকপা ইশানা আইনা খুল্লাকপনি। পাখং ওইবা নহাকপু পোক্লবীর কৈদগী লাকপনো কেগে কনাগী মপারিনো কোলোয়না কম্বি কৌবগে" হুংজল্লক্লি নুরা ওইবীনা। নিঙোলগী মপাও তারগা মীনম ৱানা অচুমশা [illegible] ৱানা অওইশা "শানৌ থম্বাল মানবী ইবেম্মা!, পাখং ঐদি কেগে নিংথৌ পুরিংলাই কাং পোংলেনহনবগী অমঙ্গা পোকপা মপারিবি ইমিংলো মোইমলাই পাখংবা কৌই" খুমকই কোরৌহনবসু। অমুম্মা শাবি শানৌ অনিদো

নংশি মিংচাম্নহুনা পামলৌদা পোখাহনা অপাম নংশি রারীনহুনা পায়মা রাখল কোংদোরুহুনা চেক্লা চাগুম চিনদিম্না পোম্বী চেক্লাগুম চিল্লোক্লা হৈরাং চামিম্নরে লৈরাং চিনমিম্নরে। চিংঙু মাগী খুজিল খৌরাংবু নমু তাইবং কনানা খঙবা ঙমগনি। হৈরাং মমি তমখিবা চিংঙু হৈরাং চারদো মিকুপ তরানা লোইদাম থাবুম তরা শক্কুনা নংশিরবা নাউরা অমা খুদক্তা কংজরে। মহু উবদা লাইবক চাউবী নিঙোলদো নংশাথীহুনা কপলবলে। নুরাগী চিংনবা মওং মতৌহু উবদা নমু তাইবং মীগী মশক লৌরিবা চিংঙু কোরৌহনবনা নুরাবু চিংনা য়েংলগা "রাগনু ইবেম্মা! ঐ অসে কেগে নিংথৌ পুরিংলাই কাং পোংলেন হনবগী মপারি নত্তে, নহাক্লা নুমিৎ খুদিংগী নপুক্লিং শেংনা মীংজবা কোরৌ থক্তা ঙাল্লিবা কোরৌহনবা হায়বদো ঐনি। নয়ুম মকৈ পাম্রিবী চনু নিঙোলনি খন্দুনা নপুক্লিংদা নিংনরিবহু চিংনরুগনু। অয়ুক নংখিলদদি নপারি অসি কোংয়াং চৈশু ওইনা থম্মু নুমিদাংদনা নপারি শক্লা নাউকোল্লু লেম্না মাঙবা য়াবা নপারি নত্তে" হায়রম্লগা চিংঙু কোরৌহনবদি মাঙথোকখ্রে। কোরৌহনবনা মাঙখিবগা মপারি নাউরা অহু খঙহৌদনা কজরবা মতাং তরেৎ পানবা কোংয়াং চৈশু ওল্লে। চিংঙু কোরৌহনবনা পীবা কোংয়াং চৈশু অহু পুরগা নিঙোল ময়ুমদা হল্লকই। হৌখিবা থৌদোক অহু মানা কনাদম্মু হায়দোকখিদে। ময়ুম হেক য়ৌবগা কজরবা কোংয়াং চৈশু অহু মাগী লুখুমদা ঙাহুনা থম্মী। মপা আইনা খুল্লাকপনা মমোম্না পুরকপা মতাং তরেৎ পানবা কজরবা কোয়াং চৈশু অহু উবদা পামহুনা য়েংই। ইমোম লাংলেন: ইবেম্মা ঙসি ইপাগী পামলৌদা পাম য়ানবা চংলুবদা ইমোম্না পুরকইবা চৈশু অসি কদায়দগী কংলকপনো হংলক্লবদা পামলৌদা তারমহুনা খুল্লকপনি পাউখুমলকই। মমোমগী রাহু ভারগা ইমোমগী চৈশু অসি ইপা পুরুগে হায়রক্লবদা নংশা থিরহুনা ইপা ইবুঙো নমোম্না খুল্লকপা চৈশু অসি য়াম্না চেকশিন্না পুবিম্মু কনাদম্মু পিথোকপিগন., নুমিং তাক্সিঙৈদা নমোমদা অমুক শিনবিম্মু হায়জে।

আইনা খুল্লাকপনা মমোম্না খুল্লকপা চৈশু অহু পুম্বগা মোইরাংগী ঙাং খুন্দা লৈবা মতাও খোয়োম শংগেগী মরূপ ঙাংগরুংবগী ময়ুমদা লাকই ঙাংগরুংবা মতাওস্তু ফজবা কোংয়াং চৈশু অহু উবদা পাম্লগনা পায়হুন য়েংই। ইতাওগী চৈশুসে পামগ্রেদা ঐঙোন্দা পীরো হায়রক্লে ইতাও ইবুঙো চৈশু অসি ঐগী নত্তে ইমোম লাংলেম্না ঙসি পাম য়ানবা চংপদা পামলোদগী খুল্লকপনি, কনাদস্তু পীথে কপিগন হায়রকই। ইমোমগী মর৷ তাত্রবদি নতাওনা পীথোকপা ঙবত্রে খুমলকই ইতাওনা পীবা ঙমদ্রবনিনা ঙসি অহৌং অসিদদি ঐগী য়ুমদা থমগে হয়েং নোংঙাল্লগা ইতাওগী নাক্ত খিল্লককে। মতাওগী র হু হিঙ্তোকপা ঙমদহুনা কোংয়াং চৈশু মতাং তবেং পানবহু খোয়োম ঙাংগরুংবনা লৌহৌরে। ঙাংগরুংবনা চৈশু অহু মতমপাক্তা থম্লগা নান নানহুনা শাম্নরিঙৈদা কোবৌ নারল্ রায়খিহুনা মালেম মমশিল্লক্রবঙ্গা চিংঙু কোরৌহনবগী থৌঙ্গাননা ফংবা কোংয়াং চৈশু অহু খংগৌদনা অঙাং নাউরা ওল্লক্রবদা ঙাংগরুংবনা কিহুনা অঙাং অহু ফুঙ্গা লাইরুদা থল্লে। খুদক্তা অঙাং অহু কোংয়াং চৈস্তু ওল্লগা চৈস্তুহু রানৌ চোংহুনা ফুঙ্গা লাইরুদা রা পাম্বী ওইনা হৌরে। অঙকপা থেঁদোক অহু উবদা ঙাংগরুংবা হায়কম তৌকম থংদ্রে। অঙকপা অকিবা থৌদোক অহু কনাদস্তু হায়দোক্কে। হয়েং ইনং হেক ঙানবগা কেগে মোইবাং নিংথৌদা হঙ্গংলুগে থন্দুনা অহৌং অহু কিনা কিনা তুমলে। ঙাংগ- রুংবগী খোমলেন মঙলানচাদা চিংঙু কোবৌহনবঃ লাক্কুনা “কেগে ঙাংগরুংবা! নঙগী ফুঙ্গং লাইরুদা হৌরিবা রা পাম্বী অহু অচম্ব রা নত্তে, চিংঙু ঐগী শাইওননি। হৌজিক্কমক ফুক্লগা কেগে কনা খঙকন্দনা মোইরাং র,রবী তুরেলগী ল ইজ ঈরোলনুংদা থাদখো”; তাকপিরে। হোয়ুম মপাউংখোল কংবদা ঙাংগরুংবনা ফুঙ্গা লাইরুদা হৌরিবা রা পাম্বীহু মরু য়াওনা ফুক্লগা মানবী তুরেলদা থাদক্লে। তুরেলগী ঈচেলনা পুথখিহুনা লোক্তাক য়ৌত্রে। [illegible] অকনবা থক ঈপোম্না রা পাম্বী অহু থাঙ্গ করাং চৌংগী চাং[illegible]দা থনমলে।

খৌত্থু নুংপাক্কা থেংজিন্দুনা রা পাম্বীদগী কেনবা রমিং অত্থু লাইজ ঈথক ঈপোম্না পুখংখিত্থুনা নুংলক্তা তারে। মফম অত্থুদা রামিংতগী রা পাম্বী ওইনা হৌরে। লোক্তাক লাইজ ঈপাক্তা ঈরোইদুনা লাক্লগা মোইরাং খুলমৈদা হাইজিলক্লুনা হৌরৈ হারবগী রা অত্থুগী মমিং ঈরোইরা কৌখি। থাঙ্গ করাং চীংগী চীংজিন্দা থনম্বা রা পাম্বী অত্থু মপুং মরৈ ফানা হৌরক্লে। রা পাম্বী অসি মতাং ২৫ পাল্লি রামিং ৫০ ল্লোংঙি। নোংমা মোইরাংগী থারাম নহানা থাঙ্গ করাং চীংদা শীং চনবা চৎপদা রা পাম্বী অত্থু উবদা ঙক্লুনা ঙাহাক য়েংলগা রারু য়াওনা ফুক্লুনা পুরক্লে। রা পাম্বী অত্থু মপু মোইরাং নিংথৌ ফাং পোংলেনহনবদা কৎলি। রা অত্থু উবদা নিংথৌনা লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগা তান্নরগা মখোক মতোল মান্নবা রগী মখোক্কী মতাং ১৫ কল্লগা নিংথৌগী খুৎসু তাগী তাখোক ওক্করে। অরেম্বা মতোল থংবা মতাং ১০ অত্থুনা মোইরাংগী থোয়াদা হুন্দোকলে। রাতোনগী রামিংতগী রানৌ অমুক চোংলক্লুনা রা পাম্বী ওইনা হৌগৎলক্লুনা রাপল ফাবে থোয়াগী রাপুং কৌবে। রাগী মখোক্লা মতাং ১৫ পানবা নিংথৌগী তাখোক শাবগা অরেম্বা রাগী রারু অত্থু লোক্তাক্লা হুন্থখিবা রারু অত্থু লোক্তাক্কী ঈথক ঈপোম্না পুরক্লগা ঙাংখ খুলদা লৈবা খোয়োল ঙাংগরুবগী ইংখোল মতোন্দা অমুক হুনগৎপিরক্লে। রারু অত্থু রানৌ চোংত্থুনা ঙাংগরুংবগী ইংখোলদা মনা পুংনা হৌরক্লে। রা অত্থু অচম্বা রা নত্তবনিনা মতাং খুদিংগী রামিং অনি অনি পাল্লি। রা অত্থুনা রাপল ফারক্লবদা কাইরৈ য়েন্না চঙলে য়েন শি, কাওরেন যণ চঙলে মরাই তাত্থুনা শি ওকলেন লাবা চঙলে শি, মী চঙলে মী শি। অসুম্না অচঙ অচঙবা শিরবদা মপু মোইরাং নিংথৌদা হঙ্গৎলে। লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীগা তান্নত্থুনা কেগে লৈকায় নিপালদগী চনু নিঙোল চামা থনগৎলগা হৈশিং চামা খিরে লৈরাং চামা হেক্লগা কেগে কৈথেল মাপন্দগী লুকমাই মশীং ঙনা কবোক হৈবোক থাইগৎলগা চিংঙু থাংজীং খুয়া থাদা কৎলে। চকপা লম্নাং 'মাইবী খোমলেন মাঙঙঙ তানবীনা শরিক' চুমজাউ

থাজোম্না চিংঙু লাইমাও কমদুনা খোয়ুম লাইপাও পীরক্লে। মোইরাং নিংথৌ ইশুক ইচাবোই, তাইবং শোরারেল নমু পোংহনবা নয়ুম কেগে মোইরাং লৈবাক্কী খোয়োল ভাংগরুংবগী. ইংখোন্দা হৌরিবা রা অসি অচম্বা রা নত্তে, চিংঙু কোরৌহনবনা শাইওনবা মতাং তরেং পানবা কোংয়াং চৈশুনা হৌবা রাগী রারুনা তেশিন হনজিন্দুনা খোয়োল ইংখোন্দা অমুক হৌরবনি। রা অসিগী মমিং তেশিন হনজিনবা রানি হায়বগী খোয়েল তেবী তেশারা কোলোয় মমিং খোন্দুনা তেশা রাহোংঙু। নদাইরেন খোয়োন ভাংগরুংববু হঙ্গরা হাপ্তুনা তেশা রাখোং শেংহল্লু, তয়াল মরী থংহল্লু, মুংঙাই মরাং কাইহনগে, অরাং অপা লৈহল্লোই।" চিংঙু থাংজীং লাইপাওখোল কংবদা খোয়োন ভাংগরুংববু খোয়োন হঙবা হাপ্তুনা নিংথৌ লৌচা পীরে। খোয়োন ভাংগরুংবনা তেশা রাখোং শেং তয়াল মরী থং হৈরাং লৈবাং কংতুনা তেশা রাহোংবদগী কেগে লৈবাক খুনজাউনা মোইরাং চাকহোং ভাহোংনা পানখি। পুরিংলাই কাং পোংলেনহনবগী সনা য়াথং মত্তুং ইন্না খোয়োন তেবী তেশারা অসি খোয়োন শাগৈনা চেকশিন্না ভাক শেনবদগী রাপল কাখি। খোয়োন ভাংগরুংবনা শিরবদা মাগী মচা মসুশিংনা মথং মথং নিংথৌ খুদিংগী মতমদসু খোয়োন তেবী তেশারাবু রাহোংদুনা লৈবাক মরা তপ্না অরাং অপা লৈতনা পানখি।

খোয়োন হাওবনা অঙাং ওইরিদৈ

পুরিংলাই সনা মৌখানা কেগে মোইরাং লৈবাক্কা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদা খোয়োন ভৌবগী মপারি খুম্মৌরেম্বনা মপা মপুগী মহৎ শিন্দুনা খোয়োন তেবী তেশারাবু তেশা রাখোং শেং তয়াল মরী থংতুনা তেশা রাহোংবদগী লৈবাক নিংথৌ য়াইকনা মুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লি। নিংথৌনা খুম্মৌরেম্ববু খোয়োন হঙবা হাপ্তুনা নিংথৌ লৌচা পীদুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্কা অঙম্বা

অরাৎ অপা লৈতনা পানবা মতম অসিদা মমোম খাংজু চন্নু পোকই। মমোম লাংলেম খাংজু চন্নুনা চহী তরেৎ চঙলকপদা মপারি হাওবা পোকই। মপারি খোয়োন হাওবনা চহী অহুম মপুং ফারকপদা কেগে লৈবাক্কী মোংখোনফম মুন্নবগী ৱাখোক্তা অঙম্বা মশেল য়েংথিন্দুনা হিকাপ তেনকাপ তৌনতুনা মরাইবক থীবদগী খুম্থোইরেম্বা মশাদা তেনবাল্লে। লৈবাক্কী কম্নাইবা মোংখোনবা অঙম্বা খুম্থোইরেম্বদি নৌনা কমখোল কাবগা অনাবা লাইপেংং ফাত্থুনা কেগে বংলা থৌগাবা ওমজে. তৌরাং কক্তা হিপ লুতুং খোইবাক শানা হেদো নাহে চল্লে। লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীনা ঈরাং চব.ন থাত্থুনা হিদাক লাংথক পীজ পীথত্থুনা লাম্লেংবদা লাইংথাই তাবা ওমজ্রে। মদাইরেম খুম্থো-রেম্বুনা মনুং মতম চাদনা অনা লাইওং খওদনা নাবগী পাউ তাবদা মোইরাং নিংথৌনা অমাইহঞ্জবা থারক্লুনা লাইকন্নবদা অনাবা কবা ওমজ্রে। মর্মাখিবু খরাই লাইকন্নবদা তুম্বা মচেৎ চ ব মথাক নাইনা অহীং মীশেল থাংত্থুনা অরাবা শরুক য়াজখিবী মোমনু তায়োই ওারম চন্নু শমফবীসু কোকপান থোংবু চিক লুপান থোংবু নাবনা তৌরাং কক্তা হিপ্তুনা হেদো নাহে চল্লে। কংলা থৌগমিন্নরিবা কেগে লৈবাক্কী কম্নাইবা অঙম অথৌ কয়া কৈরোয় লৈকায়গী মরুপ মপাং শাগে নাত্তেগী মচেম মনেম মচিন মনাও কয়াসু অনাবা পাউ তাত্থুনা লাকপদা মোংবা মরানয়াইদো মীনা ফিডৌ কৌবগুমলে। মথোয় অনিগী মনা লাইওং উবদা খীপুম খুদিং ৱানরে, মিল্লু পিরাং শিন্থনরে। খুম্থোইরেম্বনা তাইবং লম্বী শাম্নকপা খমনুং লম্বী মাওওইনবুকপা খমনুং কিকোই লৌওনবীনা তাউজিং মকাও হৈ পায়ত্থুনা মাংশোক ফমশেল-রন্নবদা পাথৌ মরুপ নুংশিবা তরা চাকলুক অমত্তদা চামিন্নবকপা থৌদোক ৱাখোক খুদিংদা অৱা নুংঙাই শরুক য়ামিন্নবুকপা থাঙবাকপা লাইবু নিংবা কৌশিন্দুনা শমু খুজেং পায়রগা পুকমেন পাওমেন্নরকই। 'পাথৌ মরুপ চান্নবা হৌমিন চাউমিন্ননা নুংশিনবা। পাপো ঐদি তাইবং চেংজেন য়াম্নক্কবনা খমনুং শন্না তানগ্রগে। মথক্তা মচেম

শাংজবী ইমোম লাক্লেন খাংসু চন্নুবু নমোম শক্লা লাজোনবিয়ু। নমোম্না কাংদোং ফারগা। থাজ য়োনজ যারবদা মতিক মাপা চাবা কেগে ডাক্লোই পাখংদা থাজবুনা নমোমগী তাউজিং হৈজিং তৈজারকখো”

হায়না মমো'মগী থু'ঙ্জং পান্নরগ থ ঙ্গরাকপা লাইবু নীংবদা শমু খুংশিন্নরক্লে মশানৌ ডাবেম চন্নু শামফবীগী মৌপা মোইবাং লৌরেনহনব অঙম্বু কৌশিন্নগা খুম্থৌরেম্বনা য়ারা পাওমেন্নবকই। “তাবিত্রা শেবৌরেল! নবাই ঐদি পারি ইমোম অনিবু পাঙ্গল শাবেপ ফাংবা নাউবোক নাউবোনবা ঙম্লাইদৌবে! পাবি নাউর অপিশক তাংবং মীবোল্ গুনা খণ্ডিবা নমাক খোযোল হাওব'স শেবৌরল নহাক্লা নপাবি শক্লা নাউযে কপিরকউ। পারি মানা চাউর। অওম্না নঙনা কংলা কাবদা কংলা ফিদা পুহল্লু। পলেম পাম্থৌনা নাউকোদবা লমজা শক্তনবা মোইরাং শাবা ওইদনবা শেরবেল নহাক্লা নবুক খোঙ্কী নপাবিগুম লুনা চান্না তৌবিয়ু। পাবি মানা পাঙ্গল শাবেপ ফাহনা লৈকায় তরা মমান্নবগা মীমন্নবা ঙম্নরবদা পাগী পুরেপ ফংহল্লু পুগী পুরেপ য়োহন- বিরকউ। নচে নবাই ঐখোয় অনিনা নোংমদোন থক্তগী লৈচিল পোমায় চাংদোক্তুনা পাবি মাবু ইমিৎ পেন্না যেংজগে।’ অসুম্না পুকমেন পাওম রগা নুংশিংবা মপাবি নাউরা অপিশক হাওববু খজাই লেংওন ওম্না চুপ্তুনা মথা নুংদা চেংনা থাগোম্লগা খুম্থৌ রম্বা নোলেন খোংবগুম কপলকলে। নাউরা হাওবা মহাক্তি পম্থৌ চেংলৌ চিংনা যেংহুনা লৈখি। পলেম মমা ইবেম্মা ডারম চনু শমফবী মহাকসু মপাবি নাউরা চাউক্লিবা মমোম কাংদোং কাক্লিবী অনিবু হন্না হম্না চুপলগা মথা নুংদা কোন্নুনা ইঙা নোংলেন নোংনা নোংখোং ফুইনা চুবগুম মোমনু মিৎলু অনিদো পিয়াং পিরোইনরক্লে। য়ামেজেম লাইবক চাউবা পাবি ইমোমও তাইবং মালং পানসিদা তরা চৈনা শাংহৌরোকো। হায়না মখোম থোক্লা কপলকলে। মচা কায়না মৈচাকনে অনা চৈনাখোম [illegible] খোয়োল খুম্থৌরেম্বা শমফবী অনিগী মওং মতৌহু উরদা পাবি [illegible] মশেলনি মমোম শাংপা ডাক্তনি. কেগে মোইরাং [illegible]বাকী নপা নপী পুম্নমক

হিক্লা কপনরকলে। ঙাইহাক্ক পুংগোই লৈরগ। খুম্বোরেম্বা শমফবী অনিদো তাইবং চেংজেল লোইরবোই মপারি মমোম নুংশিবা মরূপ মপাং চান্নবা শাগৈ নাতৈ পুম্নমক তুংওইননা খমনুং শরা তান অমল য়াইখোং কুমথ্রে। য়াইবী থব্রায় মঙানা চীংগী খুনু খোংজাম্বী তমগী খুনু থাবিকপী চেক্লা চাদি লমখুনুগী শক্তম লৌহুনা শজিক মতুং ইন থাবা মমৈ ব্রায়না চেক্লা অনিদো থব্রাংননা পাইমিন্নখি। মমোম খ্বাংস্থ চনু মাদি পলেম পম্বৌ অনিবু কৌহুনা নোংলেন খোংবগুম কপলকাল। অদো নাউব্রা ওইবনা পলেম শেংনা ব্রাবা পম্বৌ কায়না মৈচাকতো খঙদে হাওব মহাক্তি। ব্রাংলেম ঙাহাক কপলুব্রগা থাঙ্গরাকপা লাইবু নীংবা ফম্লাইবনা মমোম খ্বাংস্থ চনুবু মোংবা মরানয়াইদা পুবগা মশানৌ থাঙ্গলকপীদা নপারি পোক্কে ব্রাক্তরনু নমোম শাংতে থল্লুবনু পাবৌ খুম্বোরম্বা ইচন ঙারম চনু শমফবীগী অমত্তা পোকপী মমোম খ্বাংস্থ চনব নমোম শক্লা ল ঙোনজরো শিন্নরে। থাঙ্গবাকপীনা মবুমথোক্কী মমোম-গুম নুংশি নুংঙোম্না নাউয়োকচখি। মোইবাং লৌবেনহনবা অঙম্বনা মমাক খোয়োল হাওববু পুবগা লৌবেনহনবীদা পারি শক্লা নাউয়োকউ হায়না শমু খুংশিন্নখি। খুম্বোরেম্বা শনফবী অনিগী খোযোন ফৌদি চারা খ্বাংস্থ চনুগা হাওবগা মচিল মৌপুা অনিদো কেগে যুন্নাক তিন্নদবা মোইরাং শাগৈ তোঙানবনা নাউয়োকখিবহু চহী কুমজা তব্রামপুং কাথ্রে। অঙাং নাউব্রা ওইনা পিক্লা কায়নবনে চিংঙু থাংজীং লাইগী থৌশিলনে খোয়োল মচিল মৌপুা অনিদো কোলোয় মমিং কাউনথ্রে চেংলৌ মশক খঙনখিদ্রে। থাঙ্গরাকপা লাইবুনীবনা মমোম শক্লা নাউকোল্লিবী মমোম খ্বাংস্থ চনুনা মপুং মরৈ ফারকপা থাজ য়োনজ য়ারক্লবদা কেগে ঙাংখ লৈকায়দা লৈবা কৈথেলাকপা ফম্লাইবদা অওং অউন তমহুনা থাজখি।

হাওবা কাংলোং শারকপা

মোইরাং লৈরেনহনবনা য়োকখিবা খোয়োল হাওবা মহাকস্মু চহী তরাহুমদোই শুহুনা যণজেন যণডাক ভমজরে। পলেম পন্থৌনা নাউ-য়াক্লবা মচা ওইরবস্মু শওং-শাদা য়েংবদা লৈপুং রাগুম তনাপ্লা ফিরাল রাগুম তাংজুম্বা চুং-ফিরান চানা কুজংগ, য়েংবদা অম্লাংপা লৈতবা মথৌনা মরিংজেনদস্মু নোপ্তুবা খোয়েল হাওবা লমজানি। হৌমিন কামিম্ননা চাউরকপা চহী লেংগা মাম্নবা লৈরেনহনবগী মপারি মেলৈখোম্বদি মতোমতা পোকই মত গুম লমকেং লমহেন্না হৌরকই। হাওবা মাগী মশক উবদা কৈরোয় লৈকায়না কৌনিংদবা য়াওদে নুংশিদবা লৈতে। অহাওবা পোৎ অমতং লৈবদা মেলৈখোম্বা থনম্নগা হাওরদা পীজে, মতুদা মেলৈখোম্বা শাউই। লৈরেনহনবা মাস্মু মানা পোকপা মপাবি মেলৈখোম্বদগী হাওববুনা হেন্না লুনা চানা তৌই। বাজৈ মুরা লমজেন্দা হাওবা মেলৈখোম্বা অনিসি কাওরেন মাপা তাম্বা যণগুম্বনি অমনা অমবু হেন্নদে। নোংমদি খুনলোম্ববা কেগে কৈরোয় লৈকায়গী নহারোল-শিংনা শীংন্দুনা কংজৈ মুরা শাম্নবদা মেলৈখোম্বগা হাওবগা নাকপাক নাকপাক তাম্নবি। হাওবনদি চহী লেংগা মাম্নরবস্মু পোকমিম্নবা মচিল মনাওগুম নুংশিহুনা মেলৈখোম্বগা শাথেংনগে লেংথেংনগে খনদে। মেলৈখোম্বনদি হাওববু কৈরোয় লৈকায় মীমাঙদা অমুক্তং ওম্বা শবকে মতাগুম মিকুপ নাহুম য়েংহুনা লৈরি। কাংজৈ শাম্নবদা লাম্বা লাম্বা তাম্নরক্লবদা মেলৈখোম্বনা হাওববু নাকওইননা কোম্নগা মীয়াম মমাঙদা মালেম ফুবাক্লনা লংথখি। মতু উবদা মীয়াম্না খুবাক খুহুনা রা রা লাউনা নোকখি। হাওবদি ইকায় নুংশি য়াম্ননা মালেক লুক্ররনা লৈরম্নগা হৌগংলক্লুনা মেলৈখোম্বগা হাওবগা হাউ মুকা লেংকাইচল মোংবা তাজিন খুরৌ য়েংনহুনা মেলৈখোম্ববু মালেম লৈদা লোংনা থাদরে। মেলৈখোম্বদি ইকায়বনা মরানয়াই তাম্না চেনখিহুনা পালেম মুমাদা কপ্পুম্না পাউদমলুরে। মচাগী রাহু তাবদা পুকচেল পিকপী লৌরেন-হনবী মমাহু শাউবনা লুতোন কাখিহুনা মপারি খম্বন রানা অচুম

অয়ান থিদনা চৈবিগদবগী হাওবা হল্লকপা ঙাইহনা লৈরে। মৈলৈখোমবনা শাউরা চংখিবা উবগা হাওবা মাস্থ মুংশা থীহনা লাপ্না মতুং ইল্লরকই। হাওবনা পালেম মনা কিহনা মায়থৈং লুরুনা চঙলকপা উবদা লৌরেনহনবী চোংথোরক্লুনা হাওবগী লুমাংগী শন্নাংবু পান্নরগা শমু মখুবাক্লা মথজাই অনিদা ওন্না ওন্না থাবিরে। হাওবনা কপনা কপনা "পালেম! শাউবিথিম, নচাগী থারা তাবাথে।" হায়জবহু তাবিবগী মহুৎতা চৈবকই লমজা মচা পিতং পাতংপা নথিবাং তরা পীজহনা পাঙল চাউনবা যোক্লগা মপুগী মচানি খুন্দবা শাবহনা পাম্নি মৈলৈখোম্বদা ইকায়বা পীবা শাই। পামব কৈজেলাং মচাবু চাউনবা য়োক্লগা মপু চাবগুম লমজা নঙ যোকপদগী কেগে লৈকায় মমাঙদা পান্নিনা ইকায়বা নংলিবনি। কেগে যুমথোং খুদিংদা চংতুনা চাকনি কিনিহনা লৈজরুরে" হায়না হাওববু তাম্ভোকপিরে। হাওবা লৈবা য়াদহনা খরাই থোঙ্গাল ব্রাংমদা পস্থৌ মপা শক্লবা লৌরেনহনবা হল্লকপা ঙাইহনা লৈরে। পায়মা পুকচেল কক্লবী মীগুংশি খঙক্লবী লৌরেনহনবীনা তেম্পাক কাংক্রম লংহনা তেকপী ওক কাইরৈ থেন তানবগুম তাঙবা হুই থৌজিন্দুনা হাওববু তানবিরে। কেগে শামন লেংমান্নবশংগী মমাঙদা খোয়োল হাওবা লমঙ্গাদি ইকায শেঙ্গোয় শকওনহনা অঙাওবা মীগী পান্দমগুম মিংলু তরুংঈরাহৌ কপ্না কপ্না চেল্লকলে। কোয়ৌ শিংথোং ব্রায়রক্লুনা লৌরেনহনবনা ময়ুমদা হল্লকপদা মপান্নি মৈলৈখোম্বদি উরগা হাওবা উদবদা মোমনু তাজোয়দা হংলকই। লৌনমচাউবী তালোয়না হাওবা মাদি ক উরেন যণশেনবা চংখিবনি হল্লক্লে পাউখুম্মী। মালেম লৈনা মমশিল্লক্লবদা লৌরেনহনবা ময়ুম মোংবা মরানয়াইদা লৈবা ঙমদহনা কেগে লৈকায় লান্না মপান্নি হাওববু খিবদা কংলক্লবদা ময়ুমদা হল্লকই। কেগে পাশা তাম্বা মোইরাংশলাই তান্না খোয়োল হাওবা লমঙ্গাদি কেগে কনাগী মকমদা চঙহুমা শাইদাংগে থনদরে। অহীং তাংলৌ অথেংবদা পামব কৈগী মথায়াৎতা য়াইবী থরায় থাগ্রগে খল্লহনা পামব কৈগী য়ান্নেককম য়াওরৌ শাগী চাজ্জকম

থাংজীং ঊনুংদা চঙ্লকপা উবদা চিংঙ, থাংজীংনা মনাই শিব্য তারে খন্দুনা য়াওরৌ শা পূম্নমক খোয়্লেন শাংনা য়াতাহনখি নমু মীনম তাহনখিদে হাওবা লাকপা উহনখিদে। হাওবনা অকি অখঙ লৈতনা নারক মোংশোং অশোংবদা পামব কৈ থিবসু থিবা ফংদয়ে। ইনুং মমৈ ব্রায়খিদুনা নোংপোক চীংথৈ হুল্লকপা অমম অঙান শিন্নরকপদা হাওবা নীংবা. কায়দুনা কেগে শোরোক পাংলকলে।

খোয়োল ঙৌবী শোটঙাকপা মোইরাং শোইরেন হঞ্জবনা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা শোটদা লূ কাইবা য়েংবা লাকপগী লাঙ্গোট খোঙথাং মখোল তাবদা কেগে শোরোক য়াংবীথক্তা অশিবা মীগী পান্দমগুম হাওবা লোংনা হিপ্তুনা লৈরে। শোইরেন হঞ্জবনা লাঙ্গোই শগোল মথক্তগী উরদুনা শোরোক য়াংবীথক্তা লোংনা তারিরা নহাকপু খোয়ুম লাইবা, নমু তাটবং মীরা চেনখ্রো নত্রবদি ল্যাঙ্গোই শগোল মখোংনা নেৎতুনা য়াটবী থরায় লৌগনি লাউরক্লবা কাওবদা খোয়োল হাওবা চৎথোক্লে। "হা পন্থৌ শকপা, কেগেদা শারা শক মোটয়াংদা লমজা ওই পিতং পাতৎতুনা চাকনি কিনিদুনা য়াইবী থরায় হিংগদবগী শরুকপুদি লাঙ্গোট শগোলনা নেৎতুনা য়াইবী থরায় লৌবিরো লায়ববগী নীংবা খুংহনবিয়ু" হায়রকপা খোয়োল হাওবগী মপুক্লিং নুংশিবা য়ারা মপাউ তাবা চেংলৌ মশক উবদা শোই.রন হঞ্জবনা লঙ্গোই শগোল শয়াং থক্তগী কুমথরগা হাওবা মাবু কোনখংলে "পাম্বি মানবা নহাকপু লমলেন কৈদা লৈবনো পলেম পন্থৌ কনাগী মপারিনো চিংনদনা ইপাদা য়ারা ক্লিগৈ শেংঙ হায়রক্লে। লমজা ঐত্রাক্তি পিক্লা পলেম পন্থৌ শেংনবনা পলেম পন্থৌ অনিগী চেংলৌ শক্তম লাকশিনবা ঙমক্লে। পন্থৌ লৌরেনহনবনা তাকপিবদি ঐবু পোকপা পন্থৌনা খুন্থৌরেম্বা, পলেম্মা ঙারম চনু শমকবী কৌই হায়রকপা হাওবগী ব্রাদু তাবদা পাথৌ মরুপ নুংশিনবা তুরা চাকলুক অমত্তদা চামিন্নরকপা খোয়োল খুন্থৌরেম্বগী মপারিনি খঙলবদা শোইরেন হঞ্জবা অঙম্বনা হাওববু চেংনা কোক্লগা নোংলেন

খোংবগুম কপলক্লে। "পাখৌ ইবুংঙো মুংশিবা মরূপ চাদি চামখা! কোয়ৌ নোংমদোল থক্তগী লৈচিল পোমাই হাংলগা নপাম্নি চেংলৌ য়েংলকই" হায়রক্লবদা হাওবা মাস্থ কপলকলে। অম্ভুম্না ঙাহাক কপমিন্নরুরগা পাম্নি ইবুংঙো য়ারুয়গনু হৌজিক্কি ইপাগী না ক্কা লৈছুনা পাম্নি নঙবু পাগী পারেপ কংনবা, পুগী পুরেপ য়ৌনবা নুংঙাই য়াইবা মরাং কায়নবা ইপানা শীনগনি হায়না লাঙ্গোই শগোল মথক্তা হাপ্লগা খোয়োল ঙৌবী শোই তান্না পুরক্লে। অহীং চুম্না চাদ থক্তখনা তরা চক্কম শিৎলবা হাওববু শোইশঙদা পুশিল্লগা মবুক থম্না তরা পিজরগা অঙম্বগী মরানয়াইদা পুরকলে। খরাই থোঙ্গাল য়েৌরকপদা লাঙ্গোই শয়াং থক্তগী শোইরেন হঞ্জবা অঙম্বনা মোমনু তালোয় শোইরেনহনঞ্জবীবু কৌহুনা "ইশানৌ ইবেম্মা! ঙসি কোয়ৌ নুমিংতা চিংঙু থাংজীং লাইনা পাম্নি অমা পীনবিরে। পাম্নি পোক্কে য়ারুয়গনু নমোম শাৎতে নুংনাংরুয়গনু। পাম্নি ইবুংঙো মহাকপু নবুক থোক্কী নচা-গুম লাঙ্গোনজয়ো হায়রক্লে।" মশাবি মপাউ তাবদা মোমনু তালোয় চেম্থোরক্তুনা খোয়োল হাওবা লমজাবু শমু খুজেং পালোয়নহুনা মরান নুংদা পুশিনখি। হাওববু শোইরেন হঞ্জবা মতৈ মনাওনা পোকচবা মপাম্নিগুম লুনা চান্না য়োকখি। নোংমদি পম্থৌ শক্লবা শোইরেন হঞ্জবনা "পাম্নি ইবুংঙো ইপানা চাম্নিবা খোয়োল ঙৌবী শোই অসি নঙবু পোকপা নপানা চারম্বা শোইনি। পাম্নি নঙনা পাগী পারেপ কংলবা মতমদা ইপানা নঙোন্দা শিন্নগে। পাম্নি নঙগা পোকমিন্নবা কৈথেললাকপদা থ জখিবা নচেম খাংস্থ চনুহু পাম্নি নঙনা অঙাং নাউন্না ওইবনা খঙলয়োই। পাম্নি নঙনা চৎতুনা নচেম খাংস্থ চনুদগী য়েরুম চিন্নাইদবী অমা, উতং পৈয়া তরেং, লাংথেন্দ্র মতোল অহুম, চংবী লাতেন অমা, চেং উতোং অম্বগা লোরুচো। পাম্নি নঙগী য়াইকনবগীদমক ইপানা খোয়োল ঙৌবী শোই ইয়াংপিগে হায়রক্লে"। মপা শক্লবা মোইরাং শোইরেন হঞ্জবনা তাকপিবা মতুং [illegible] [illegible] অহুক [illegible] জঙনবদা মচেন ইবেম্মা খাংস্থ চননা

মাঙোইহিব মেইথরাং কৈথেলগাকপগী ময়ুম হংহুনা চঙলকই। মচেম্না য়াংগেম তুমচিং পায়হুনা মাঙোল শিংশিন্ডেদা হাওবনা তমাং তাম্না চঙশিল্লকুন. মচেমগী চেংলৌ শকুম্মু চিংনা য়েংলম্মী। মচেমগী চেংলৌ শকুম খণ্ডদবনা, "ইচেম শকপী নহাকপু খোয়োল হাওবা ঐগা পোক-মিম্নবী ইচেম খ্বাংসু চনু ওইরবদি নহু নিংথৌ ঐবু নুংশিবিহুনা য়েরুম চিন্নাইদবী অমগা. উতং পৈয়া তবেং, লাংথ্রে মতোন অহুম চংবী লাতোন অমা. চেং উতোং অমগা পীবিয়ু। পম্থৌ শকপা শোইরন হঞ্জবনা ইচিল ইপ্বাগী য়াইকনবা খোয়োল ভৌবী শোই ইরাংপিগে তাকপিহুনা ইচেমগী নকমদগী নীগে লাকচবনি" হায়জরকই। খোয়োল হাওবগী য়াব্রা মপাউ তাবদা খ্বাংসু চনু অশাওবনা মাঙ-ওইনহুনা, "ঐদি ইথক্তা ইচেম শাংতে ইখাদা ইপ্বা পোক্তে, নিংঙোল ইদোম পোকপনি। ঐবু পোকপা ইপাদি কেগে থাঙ্গরাকপা ফম্নাইবনি. ইমানা থাঙ্গরাকপী কৌই। চেংলৌ নশকসু খণ্ডদবা কেগে পাশা তাম্বা মোইরাং শলাই তাম্বা নহারা নচেম নত্তনা নচেমশা পলেম নত্তনা পলেম মিংগৌনা কেগে খুল্লক কোয়হুনা য়ুমথোং খুদিং চঙহুনা চাকনি ফিনিহুনা নথরায় হিংগদবগী শরুকপুদি লোইবী চীংদা কাহুনা পামেগ শিংজা লাংঙুচো লোক্তাক পাংতা কুমহুনা লেমলৈ ঙারুম তানবনা নথৌদাং ওইরুচো। খোমলেন তুমখুল তাল্লিবা ইশাবি কৈথেলগাকপা তারবদি ইকায় ফিরুক খুমগনি রাংলেন খিন্দনা খোঙশানহৌরো হায়রক্লে। খ্বাংসু চনু মচেম্না হাওববু চেংলৌ মশক খণ্ডদহুনা অকনবা য়াব্রা খোনকমনা চৈথিরক্লবদা হাওবা ইকায় শেঙ্গোই শকওম্না হল্লক্লে। পম্থৌ শকপা শোইরেন হঞ্জবা অঙম্বনা হংবদা হাওবনা মচেম খ্বাংসু চনুগী ময়ুম খিবা ফংদে খুমজে। অশাউ মানা মাঙওইবা অফ-কত্তা খন্দনা অচুম অরান খিদনা অখিবা য়াব্রা খোনকম অকনবনা হাওবা মাবু চৈরুবদি খ্বাংসু চনু ইবেম্মা নীংঙমদবা মৈচাক কংহৌরে। হাওবা মানা ঙাক্তখোয়রকপা রাঙাং তাব্রপা চেংলৌ মশক উব্রপা অমুক উখিবা শক্তমঙম নরাগী মাঙদা

চপ চপ লেপগুম তৌরক্লে। হাওবনা ইকায় নংুশি য়াম্মনা মায়থোং খেগুম লাংশিন্না চংখিবহু থামগে খল্লহুনা থরাই থোঙ্গাল তাম্না চেম্ন‍ো-রক্কুনা য়েংবদা হাওবা মাবু উবা ফংখিদ্রে। মোমন্, লাইবক চাউবী ইরেম্মা নুরা পায়মা উনগোইনং মওঙ মওঙ খন্দুনা নীংঙমদনা লৈহৌরে।

মোইরাং শোইবেন হঞ্জবনা মচাদগী হেন্না নংশিনা লুনা চান্না য়োকচরিবা হাওবগী মশক উবদা কেগে কল্লক চাউবা মোইরাং মীহৌ কনবা য়ুমলোন কৈরোন্নবা কয়ানা ওইদবা ৱানা অওইবা শাহুনা হাওবগী মরুমদা চিবোন চিবোন ঙাঙনরক্লে। হাওবগী চেংলৌ শক্তম উবদা ঙাঙথোরকপা ৱাঙাং তাবদা অচম্বা মীওই মান্দে, লাইপোকনি খন্নরে। কেগে নিংথৌ পুরিৎলাই সনা ৱৌখ্বানা মপারি পোক্তে খঙহুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী মৈনা ৱাই তাংনা শম্না নিংথৌ থুবম শিনহনগে খন্দুনা শোইরেন হঞ্জবা অঙম্বনা শেম্বা চারানি হায়নবা হিগাইৱামা মোইবাং শারা শল্লক্লে। অনি উন্নরে ঙাঙনা অহুম তিন্নরে শোন্নবনা কেগে লৈকায় লান্দুনা সনা কৈথেল য়ৌরকলে। কৈথেল অকা অকুমদা ঙাঙনরিবা হিগাইৱাসে নিংথৌগী মনাদি ফল্লাংদা থেংপনিনা মপুগী সনা নাকোং য়েংখ্রে। মোইরাং নিংথৌনা শোইরেন হঞ্জবগী ময়ুমদা লৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবা লোন্না থাহনা ম.না য়োরিবা হাওবগী মওং মতৌ য়েংহল্লি। সনা থাঙগুম মঙাল নাইবা নিংথৌ ফিগুম ময়েক লারবা হাওবগী চেংলৌ মশক মওং মতৌ উবদা মীখোন্নবা ৱাঙাং শাঙাং তাবদা নিংথৌগী মকমদা ৱাঙাং হৈবা অঙম্বনিনা শেম শাহুনা তম্মশিনবদা শোইরেন হঞ্জবনা নিংথৌ শেমগে থৌরাংলে হায়না লৈরাক্লা ঙাঙনরিবা রাকমহু মিংথৌসু থাজরে। লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংগা লোম্না ৱাজান্নহুনা নিংথৌ মিংচৎসু খিদনবা কেগে কনা খক্কহন্দা মোইরাং কম্না তাহন্দনা হাওবগী য়াইবী মখরায় লৌনবা লোম্না লালোই তরেৎ কৌরগা চেকশিন্না শিন্নরে। লমজাগী ঈহু নিংথৌদা কংগা ঙমলবদি মনা মথুম চাউনা পীগনি তাকপিরে। লালোই

তরেংনা মখুংতা থাওশাং পায়হনা অহীং তাংলৌ অথেংবা মীচিক মীরাউথোল তাত্রবা মতমদা মোইরাং শোইরেন হন্জবগী মোংবা মরানয়াই তাম্না লাকলে। লালোই তরেংনা শোইরেন হন্জবগী মমুক্তা চঙহনা হাওবগী মখুং অনিহু থৌরিনা ক্রক ক্রক পুল্লগা থাজীং উমং তাম্না পুত্রক্লে। য়াওবৌ শাগী য়ারেককম সাই তিংখং মরক্তা হাওবদু লংশিল্লে। হাওবনা সালোই তরেং য়েংহনা 'পম্বৌ মানবা তরেংমক লায়রবগী য়াইবী থরায় কনবিয়ু, অপোকপা নপাগ্নিগুম মুংশিন্নিয়ু। পলেম পম্বৌ মশক খঙজহৌত্রবা লায়রবা লমজা ঐবু থাদোকপিয়ু হায়রপা হাওবগী রাডাং তাবদা লালোই তরেংতু মপাগ্নি শেংনা রাবগুম থংআয়নুংদা মীনুংশি পোক্লক্লে। লালোই তরেংকী মনুংদগী অহল ওইবা অহনা, নুপামচা নওবু নিংথৌগী সনা ঈনি হায়বসিবু চুম্বরা? পলেম পম্বৌগী কোলোয় মিংলেন অচুম্বহু তুক্কুনা পায়মা নুংদা চিংনরিবসি কোকহল্লু হায়রক্লে। লায়বব ঐগী ইখিংদি হাওবা কৌই। সিক্লা পলেম পম্বৌ শেংনবনা অপোকপা পলেম পম্বৌগী চেংলৌ মশক খঙজদে। য়োকপিনবা লৈতহনা ইমান সোরেনহনবদা অঙাং নাউরা ওইনা নাউয়োকপিবনি। ইমাগ্না তাকপিববু ঐবু পোকপা ইপাগী মমিংনা খুম্বৌরেম্বা পলেম ইমাগী মিংনা ডাবম চহু শমকবী কৌই। খোয়োন হাওবগী অশেংবা রাসি তাবদা লালোই তরেং অহু রা মচেং অমত্তা ভাওনদনা অমৃগা অমগা য়েংনহনা লৈনখি। খোয়োল্ল খুম্বৌরেম্বগী কৌদি চায়রাবু খাও থক্তা য়াইবী থরায় মাঙ-হনগে তেনশিংবদি অঙম অথৌ পায়মা রাখল থেলমল্লি, কেগে লৈবাক্কী য়াইক নুংঙাইবা ওইরোই খম্বরক্লে। লৌশিং চাউবা লালোই অহলনা "ইন্নাওশা! অমজা অসি মাঙবা য়ারোই, মতম অমদা নিংথৌগী মনাই অচানবা ওইহনা বেগে মোইরাং লৈবাকপু অরাবদগী কল্লবা রাই। ঐখোয়গী ইতুং ইমরকলিবা তাউবা হুইসি হাইলগা মাগী ঊহু হাওবগী ঈ শাহনা মপু খুরা খাদা কংলসি। লমজা অসিনা লমজোম্ন লোক্তাক পাংতা থাখিহনা য়াইবী মথরায় কল্লসি" হায়রক্লে।

লালোই অহলগী রাজু লালোই তরকস্থ য়ানিংলহুনা হাওববু পুন্নিব খৌরি কোন্সোই খোক্সে। "য়েংউ, ইবুংঙো আদা উরিবা লাইজ ঈমায় চোল্লিবা পাংসি লমলেন লোক্তাকনি। লোক্তাক লাইজ থক্তা য়াঙ্গোইহুনা পাখং কাংদোং কান্ত্রি কাওবা নমু তাইবং কনা খঙহন্দনা চেকশিন্না লৈরুরো। অস্নুম্না হাওবগা পুকমেন পাওমেন্নরগা লোয়নরকপা তাউবা হুইহু হাংলগা ঈহু উত্তোংদা হান্দুনা পুরগা মপু মোইরাং নিংথৌদা কংখি।

সোমদা খোয়োল হাওবা লায়রবনা অহীং তাংসৌ অথেংবদা অকিবা লৈতনা রাকয়ৈ হি তোংহুনা কেগে খোরিতাক অমনবা মোইরাং নোঙ্গাংখোং অচৌবা লান্দুনা লোক্তাক ঈয়াই শমহুনা থাঙ্গ কয়াং চৌংগী নোংচুপ থংবা ঙাংখরুংবা মশোইরেন থাঙলেন লুকাশোই খোয়োন ঙৌবী শোইগী শরেল ফুম্বী মথক্তা থুংখরে। শিংনাং তাংদা অচুম্বনা লায়রু শঙ শারগা কম্বোং হাওনা মনালা অয়ুক শংনা কুপখিবা নুমিদাং ঙৌনা কেমজবা লায়রা খাংপোক শঙহুদা অয়ুক চাবা নুমিদাং হেন, নুমিদাং চারা অয়ুক হেল খোইয়ুম লাইগী থুনদিনকম চেক্লা চোংথুগী য়ারেককম শরেল ফুম্বী মথক্তা লমজ। মতোমদা য়াঙ্গোইরে। নোংমা অমনা হুপনৌ নায়াং থংতুনা হৈকক য়েল্লি চাহুনা চারা নোংলেল্লি। নোংমা অমনা লোক্তাক খোংনুংদা কুমহুনা লেমলৈ ঙাবু কায়গা খাম্বি মৈ হৌগংতুনা লেমলৈ ঙাবু লৌরগা তরা চাক ওইনৈ। কোরৌ মৈশানা য়ৈরবা কংলবা ফুম্বী মচেং অমনা মোলাং ওই, ফুম্বী মপাক অমনা হাকথং ওইহুনা লায়রা পুন্সি লেল্লকই। অস্নুম্না লৈত লায়রা চৈনা খাঙহুনা রানা লৈরকপা খোয়োন হাওবা অমজাদো চিংঙু খাংজীং লাইগী থৌজান্দগী, শামা পাঙ্গল চাউরকলে, পাখং শরেপ কারকলে।

হাওবা-কোম্নু শকথঙনবা

চহী কুমজা খুদিংগী শজিবু লাইয়েন কিশি তাই কোংবা লৈখোং কাংপদা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী চনু নিঙোলগা মৌপা লোইজা নিঙোল লাকপগী কাংশংঙদা কাং শীংনহুনা শামৈ। চনু নিঙোলগী কাংখুত্তা মোইরাং লৈবাক্কী অঙম্বা নুংবান হুইনিংগুম্বগী মমোমলোই চীংজিন খোনগুম অঙললা অঙনবদা মচেম শাংতবী হৈয়াই পোম্বী লিকলু অথেংলা অথেংবদা মনাও ফুইদবী লন্নাই পোম্বী হুইক্রুগুম মদোম তোমশাংনবী মচেমলক্কগী হেঙ্গবী মনম্মালক্কগী থোইজবী লাংবন কৌথাগুম নামাতোন চন্ নিঙোল অথুবী নুংবান তোইবী লৈমা কোন্ লাংঙতোম্বীনা কাং তোংই। মৌগী কাংখুৎতনা কেজ নৌজবদা শকহেনবী মোইরাং ঙানবীনা কাং তোংই। অম্সুম্না নিঙোল মৌ শীংনহুনা কাং শান্নবদা চন্ নিঙোলশিংনা কাং থোইরে। নোংঙাল্লগা তরা চাক চান্নবগীদমক্তা তরেৎ শেম্বাং পুখোকন্দুনা লেমলৈ ঙা লৈনবা থিবদা কেগে কৈথেল মাপলদা লেমলৈ ঙাশক উরক্রুবা চাক চানবা য়েথোকপা তারবদা নিঙোল মৌ মখৈনা লাক্লুনা কোন্দা পাউ পীবরে। নুংবান হুইনিংগুম্বা অথোবা কংলা থৌগুমলক্লুনা মাঙ্গোন্দা হিদাকফু পুংকান মাঙওইনা তোংজে থাবুম পায়হুনা চিনবান কাংমৈ খুঙ্গিউদা কোন্ লাংঙতোম্বীনা মাঙদাথা থোয়নৌ মতাশিংনা তুংদাথং পম্থৌ মপাগী নাক্তা চঙলকলে। হয়েং ইনুং ঙানবদা লমলেন লোক্তাক পান্তা নিঙোল মৌ তরা চাক চান্নবা লেমলৈ ঙারম তাল্লুগে হায়ররে। ইমোম লাংলেন ইবেম্মা ইপাগী কম্বি রাস্তুনা ইমোম্মা লোক্তাক্তা কুম্বহুনা লেমলৈ ঙারম তানগদৌরিবনো হায়রকপা মপাগী বা তাবদা ইপা ইবুংঙো কেগে কৈথেল মাপলদা লেমলৈ ঙা থিবদা ঙা কংরে। অহুনা নিঙোল মৌ পুন্না লোক্তাক্তা কুম্লনা লেমলৈ ঙারম থিবদা নম্মোম ঐম্বু ইতাথোয়গী হৈনা মতুং ইন্মুনা লেমলৈ ঙারম তাল্লুগে হায়জরকলে কোম্লনা মপাদা। মথক্তা

মচেম শাংতবী মখাদা মনাও পোমদবী নিংথোল পিবা শরুবী অমত্তা পোকপী মমোমা ইঙা লোখোং অথুবা কুমশাং ঙাম্লিন তকপগুম তকপ্পকপা পাল্লৌ মানা করমা থাত্তবা ঙমগনি। ইশোয় নখোয়না লেমলৈ ঙারম তানবদা তেংবাংনবা নকুং কয়া পুংগেথে' হায়রম্লনা লৌজানখিরক্লে। মপানা য়াকিরবদা লৌশিং চাউবী কোম্নুনা "ইপা ইবুংঙো! হয়েংইসুং রাঙানবদা লমলেন লোক্তাকতা নিংথোল মৌ পূম্না লেমলৈ ঙারম তানবদি তমব মুপা অমত্তা লোক্তাক্তা কুমহন-থিগন্, মপু সনা য়াথং লৌখিয়ু" হায়রকপা মমোমগী য়ারা মতুংইন্না নংখোয় হুইনিংঙম্মন' নিংথৌগী সনা য়াথং লৌরগা হয়েং নিংথোল মৌ মখৈনা লমলেন লোক্তাক্ত কুমহনা লেমলৈ ঙাতানবদা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী তমব মুপা অমত্তা লোক্তাক্তা কুমবা য়ারোই। করিগুম্বা কুম্বা থেংনরবদি মপু চৈরাক কংগনি হায়না লোইশঙ মচা থাম্নুনা কেগে খুন্থক খুনথা পাউ চেনহন্লে। হয়েং লোক্তাক্তা কুমহনা লেমলৈ ঙারম তানগদব চুন্ নিংথোল মৌ মখৈনা ঈশ চিংগদরন। ঈশ শেমলে, লোং লৈতবনা লোং থিরে, তুঙ্গোন শেগায়বসু তুঙ্গোন কোংতুনা শেম শাম্নুনা লোং তানবা ঙাইহৎনা ময়ুম ময়ুমদা লৈনরে।

নুমৎলেম লোক্তাক মদাইমা, তাংমু অংকন ঙাচাকম শরেল পুহান নিংথৌগী ল্লাইজ ইরানলন্ত্র মোইরাং ঙাংখরুংবা মুখাইরেন থাঙলেন নুকাশেংই খোয়োন থৌবী শোইদা অয়ুক চারা নংমিদাংপুল্লেন নংমিদাং চারা অয়ুক হেন তরা অনিসুনা চারা ষংদুনা অরা চৈনা থাতলিস্না খোয়োন হাওবা লমজাবু চিংঙ্ থাংজীংনা ঈথিরেমদন। মপানৌ অয়াং কৈনা পাংথোইবী কৌরগা থৌদারকলে। মপোক লাংজন. অমমকা অপোন, নুংসি বায়থুংনসি শন্নি য়াশক পন্দোল লোকহনা অাইবং থেচদামিন্নকপা সুংবান হুইনিংঙবগী মযোমলোইকোন্ লাংজতোকলা ঋংক্তা পাদরা পলেম পুখৌগী মাক্তা লৈহুবা চানিংবা মীনীমতম শেথ লিখবা মথা তমহন্না নুংঙাইহ য়াকৈবী মরাং কাকনা লৈথিরেনা মশাক্লি অমানমচা খোয়োল হাঙনবু মকাওশরেনরে। হয়েং ইবুং ঙাতানবা

কোম্ন লাংঙতোম্বীনা কেগে লোক্লাক কুমহুনা লেমলৈ ঙাম্নম তা-নবদা ইশানৌ নঙনা লমজিং-ওই নুম্না পাখং শকখঙ মায়খঙনহল্লু, মুংশি লংলা পাদম্না অপাম মুংশি ম্নায়মুংনহল্লু। চিংঙু মম্নাখং কংলবদা অয়াং লৈমা ইবেম্মনা খোয়োন হাওবগী শক্তম লোৌরগা হুইনিংগুম্নগী মরানয়াইদা লাক্লুনা কোম্নগী খোম্মেন মঙলানচান্দা মঙকাওনরকলে। "শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী! নহাক্কি অরাং অপা লৈতবা পলেম পম্হৌগী নাক্তা লৈহুনা নশাবি ঐবু অকাণ্ড পরৈনরম্না? শানৌ নসুংলাংগীদমক্তা লমলেন লোক্লাক মদাইমা ঙাংখরুংবা মশা-ইরেন থাঙলেন লুকাশোই খোয়োন ঙৌবী শোই শারেল ফুম্বী মথক্তা লায়র চৈনা খাঙহুনা ম্নানা লৈরিবসি শানৌ নঙদি খঙদ্রবোই"। অম্নুম্না খোমলেন মঙকাওনরক্লবদা কোম্ন লাংঙতোম্বী তুম্বা য়াদহুনা হৌগংলকলে। খোমলেন মঙলানচান্দা উখিবা হাওবগী শক্তম অহু মমিত্তা উদুনতা লৈরে। কমলে কম্না উরে চৎলে চৎনা উরে, মমাঙদা চপ চপ ম্নেপপগুম ত্তোরে। কোম্ন তুমথগে খনবদা তুম্বা য়াম্রে, মনাই পৌম্ন হৌদোক্লগা ইনুং তাংলৌ অথেংবদা মঙগী ম্নাহু শিং শিংনা ভমলে, লোক্লাক পাংতা খোয়োম ঙৌবী শোই লৈত্রা হংলক্লে। পৌননা ইবেম্মা শোইবুদি শোয়দনা লৈরমগনি, ইনুং ঙানগদবা ম্নাংলি খোমলেন তুমথুন তানখিসি হয়েং লোক্লাক পাংতা ম্নাকমহু খন্নসি হায়জমহু কোননা ম্নাবা কৌবা লৈখিম্রে। নুরা ওইবী অনিদো ম্নানা ইনুং ঙানবা ঙাইরক্লে। খোমলেন মঙলানচাদা উখিবা তমব অহুগী চেংলৌ মশক উত্রিবমখৈ নুংশি য়ারা মপাউ তাম্রিবমখৈ ঙমিদগী হৌনা খোমলেন তুমথুন তানগ্ররোই ভরা চাকসু চাগ্ররোই ইবুধৌ থাংজীং নঙনা কুবিম্নু হায়রকপা কোননী ম্নাহু তাবদা পৌন, ঙকপদা থেংগ্রে। মঙগী ম্নাবু মঙজামবা হৌম্নদে। চেংলৌ মশকসু অমুক্তা উখিত্রিবা লমলেন কৈদা লৈবনোম্নু খঙদম্না। তমব মাগীদমক্তা নুম্নাগী পুক্কিং নুংনাংবিক্কখিনু হায়না পৌননা থেমজিল্লি। মপু মনাই অনিদো খাক নিংঙোল কাদা ম্নানা ইনুং ঙানবা ঙাইহুনা লৈখি।

কেগে ইনংগ ঙাম্নকপা মোইরাং শেংবা হেন্নকপা লমলেন লোক্লাক্ক পাংতা, ইনংগ তাউথুরা চেক্লানা লেমলৈ ঙাম্বরক্লবগা মনাই পোন্নগ থাহনা মোইরাংগী চনু নিংঙোল মো পুম্নমক খোমহল্লে । মো মখৈনা পয়া চেপসি লোং সংগাই য়াইনম লোং পায়রে, চনু নিংঙোল-শিংনা হঙ্গেন পোৌরা লেংদা থোংহনা কোনুগী খরাই থোঙান্দা থুংলরে । নিংঙোল মো ময়াম্না অমুক য়েন্দা অঙনবদা লোং খুত্তা পায়, হঙ্গেন পোৌরা লেংদা থোং খাংদা তুংগোন্না য়ান্দুনা কেগে লৈংক খুল্লক্কা চংপা উবদা ময়াই কারবা লৈহৌ কাদা মীহৌবা চীংঙাও খোইমুগুম্না কেগে ঙাঙোই পাখং মখৈনা লাপতকনা ইরৈ । মনবোং মাঙগা থা, থারৈ লৌ খোইবা লাকপা পাখং কয়া অমসু নিংঙোল মো ময়াম চৎপদু উবদা পোংপু লাঙ্গোন থাদোক্কুনা সুমাশিংগী খোঙ্গুল শিংকই । লমলেন থুনদিনবিগী লমদমদা পাখং মখৈ পুল্লরে । মখোয় মখৈনা কোনুগী ময়ুমদা থুংলরে । মশাবি উন্নিংবনা ঙাওরবী কোন্নুদো খোয়নৌ মতাশিংগী মাঙ থারগা লমলেন লোক্লাক পাংলকলে । চনু নিংঙোল মো ময়ামদো উবদা লমক্লেনবা কেগে পাখং খরনা লকনৈ পাখং খরনা খুদোংথী থিন্দুনা মশক মমিং তাকই । লাপতলা মতুং ইন্নরকপা পাখংশিংদো লোক্লাক খোংবান য়োরকলে । নিংথৌগী য়াথং কিবনা পাখং মখৈ লোক্লাক কুম্না ঙমদহনা নিংব কায়না হয়রখি । নিংঙোল মো মখৈনা লোক্লাক্কা কুমহনা লেমলৈ ঙা ফাবা হৌনর । কোম্নুনা মত্তা ময়াম য়েংহনা, "খোয়নৌ ইতা চান্নবীখোয় ! নখোয়দি লমলেন অসিরাইদা লেমলৈ ঙা ফাহৌরো । লৌনপ্রা ঐখোয় অনিদি খোয়োন ঙৌরী শোইমাঙদা লেমলৈ ঙামি থোক্তুনে । খোয়নৌ নখোয় ময়ামগা লৌন ঐখোয় অমিগা লেমলৈ ঙায়াম ফাবা তারসি" হায়রমগা কোনু মশু মনাইদো য়াকয়ৈ হি তোংহনা লৌরুনা তাকপা মতুং ইন্না-মোইরাং ঙাঙ্কংবা লোইশাংদুনা খোঙ্গোন ঙৌরী শোই তমকলে । মহৌশানা হি চোনবা হৈতবদা কায়নদা মক্রে য়েরে হিমায় চুমবা ঙমদ্রে চৎলিংবা য়াম্নকৈনা চংপা ঙমরে ।

খোয়োন চৌবী শোই য়োরক্লবদা হঙ্গেন পৌরা চেহনা পুন্নে । পাইখু নমখাং তাঙ্গাবী শন্দোক্লগা শরাশল, পায়শিল্লগা খুদাপকা নুরাগী চৈং নমখাঙ্গদা খাংচেং মচি লাংশিল্লে । বাকয়ৈ হিগী হিকবাক্লা ঈল খাবা হৌরকলে । অহানবা ইনখোল অমুক অনিরক লেমদৈ ভাদি লাইরম্বনা খরাই কোকপী ফাওবা লক্লে । ইনদা ভা লক্লবগী শাউনিংবনা কোনুদো খোমজেন মঙলাচানগী রাগা পুক্লকাউ কাউ-খোকখ্রে । পৌনুনা চোপ খৌবগা ইনখোল অহুমরক ভুবদদি ঈরাই লৈমনা খাংজীংগী মতং পাংলবোই লেমলৈ ভায়াম ত্রকপহু উবদা হরাওহুনা মখুৎনা ভা লোগে নী হুনা লামদদা হঙ্গেন তাইখাং তত্ত্বনা ঈশিংদা ইল তাথ্রে, বোনু মহাকস্থু নীংথেংনবা হিক্লবাক্লা রৈশিল্লে । অনা চৈরাখোল খাঙবদা কজবা মায়খোং থম্বাশদো ভাংলে কপ্পমক্তি য়াদবগিনা শাউহুনা তোক্লে । পৌনু অচানবী, হঙ্গেল পৌরা লিজাও তংতুনা ঈশ্রিদা তাশিমথ্রবনিনা ইল শোনবস্থু য়া-পোই করম্বা লেমলৈ ভা যাগনি হায়রক্লবদা ইপু ইনাইনা শেম্বস্থু হৈয়োনই, মপু মনা য়াথং কিবনা তমব দুপা অমত্তস্থু লোক্তাক্তা কুমক্লে খুম্লকই । কোম্ন পৌনু অনিদো মথৱায় রাবে, খোয়নৌ হতাশিংদা লেমলৈ ভাযাম কাবা তাঙ্গসিস্থু হায়দোকলুয়ে, তৌকম খঙদহুনা মকোক ভাওবে ।

নিংথৌগী য়াথং তাদবা কনাগুম্বা থাঙ্গ বথোং লুথুম্বা লোক্তাক্তা তমব ত্রুপা তাত্রা য়েংঙুসি হায়না মপু মনাইমা হি তোংহুমা খোয়োন চৌবী লোইমাঙ য়োরকপদা শরুল ফুলী মথক্তা অগরিমা ল্যায়ম প্রাংপোক মরুগী শঙনুংদা হাওবনা খাগী মৈ ভ্রোগংতুনা ভা দ্মোরুগী প্রাগ্নী মৈথু অহু মুমুয়াং ৎিরংথক্লকপদা মালং নুংশিংনা য়াংকা পুরংথক্লকপহু শৌম্নুনা উক্লুনা মবেক্লদা পুদোগী ঠিল্লুনা তাক্লকই । মপু মনাইনা খাগী মৈথু তত্রা চঙশিলক্লয়া কোক্লুনা "কেগে ভ্রা ইরুং তুপ । কনাগুম্বা নৈরিরবদি অমুক্তা খোকপ্রিরকই পাংথ্রিয়ু" হায়রকলে । নুরাগী মপাউখোল তাবদা হাওবা নুংশা-

থীদুনা খাম্বী মৈ মুৎথংলে৷ মাবু কাগন্দবগী কেগে চম্বু নিঙোল নেত্তুনা লাকলিমানে থনদুনা হাওবা লোৎতুনা লৈরে। খোয়ুম লাইবু ওইথিগনা নমু তাইবং মীবু ওইরিগনা হায়না কোল্লুনা মচিন্দ মুরুম মুরুম শোক্লি। "কেগে নিঙোল চনু রাংশিংনা লমসেন লোক্তাক্তা কুমদুনা লেমলৈ ঙারম তানবদা নিঙোল লাইবক চাউবী ঐগীদি হঙ্গেন তাইখাং তৎতুনা ঈশিংদা ইল তাখিবনা লেমলৈ ফাবা য়াদ্রে। খোয়ুম লাই ওইম্ববদি থঙদ্রে, করিগুম্বা নমু তাইবং মী ওইদুনা নিঙোলনা কৌববু তানা তান্ন তাখিনবা মক্তা ওইরবদি নিঙোল হংপা শকপিয়ু" হায়রকলে। চিংঙু না য়োমথ্রবা খয়োম পুনথ্রবা লৈপুলনিনা নিঙোলগী মপাউ তাবদা হাওবা তুমিন্না তাদুনা লৈথোকপা ঙমদ্রে। য়াম্না মপাউনা অসি য়েৌনা নুংশিববা অসিনদি চেংলৌ মণক্তি কয়ুম তৌরমগদগে থল্লুবদা য়েংনিংবনা ককঙাওনরবা হাওবদো ইকায় ইকি রাংমা লান্না পাউথুম পীরকল্লে। নুরাগী য়াম্না নপাউ তাবদা চেংলৌ নশক উত্রবসু চাদবনা ঙাংজেংনা শেৎতবনা থম্মোংনা চরৈ মপুং ফাদবনা পাখং ঐদি নিঙোল নমাঙদা থোক্লকপা য়াদ্রে। নুরাগী য়াম্না নপাউবু থওইদবা নচ্চদে"। হাওবগী পাউথুম তাবদা কোনু থঙহৌদনা তু চুংই, মায়থোং মকা লামই, থম্মোয় তয়াং তশোই। নিঙোলগী পাইথু নমথাং তাজাবী হৈনমনা চুরবী লৈনমনা হারবী নুরাগী খাংচেং লৌম্মোক্লুনা মনাই পৌনুদা চরৈ খিজি পীয়ু লোননা ইঙ্গিং তৌরক্লে। মিংশিং নাশিংবী পৌনুনি মীতেক মীমৌ থঙবীনি মকেম্বগী চরৈ নমথাংদু তাশিন্নগা লায়রা খাংপোকশঙ মনুংদা লংশিনথ্রে। হাওবনা নুরাগী চরৈ নমথাং অদু ময়াইদা শেপায়রগা তংথাই অমনা অমোৎপা চরৈ মথক্তা শেংচিল্লে, অতোপ্পা তংথাই অদুনা মকোক্তা য়েক্তুনা মায়থোং লুকনা ইকায় ইকায়না খোয়কল্লে। হাওবগী চেংলৌ মশক উবদা কোনুদো ককঙাওনরে, পৌনুগী খিজি য়াম্দুনা ফচানবী, খোমলেন মঙলানচান্দা উখিবা তমবহুদি হায়না শোম্বাং... হায়দোকলুরগা মতোমদা ইকায়জদত্তুনা

অনিহু ওনশিনহনা লোম্না মখিং খংনরগ, ইঙ্গিং তৌনহনা মোমোন মিনোক্লা মিংচি ভেসবু তেঙ্গখোং মুংশি হেললা তেন্দম্বা তৌনজিল মাপা চুমথ্রবোই পাখংগী থম্মোয় থুম্না পাল্লে। তেলগী চৈনাখোল খংবদা পাখং মাম্মু ইকায় ইকি তুংওইনা মুরাগী মায়খোং থম্বাল য়েংলকপা মুরা পাখং অনিহু মিংচি অনি লিব্রৈনৈ ইকায়নহনা অমুক অমুক লুকথ:ন, লোম্না হুহনা য়েংনৈ। য়েংবগী পেনব নাইনদে ইকায মুংশি লিযে নৈ খোইরুম মোমোন মিনোক্লৈ মুরা পাখং অনিদো। কোমুনা ইকাযবা খাংবগী পৌমুগী ক্ষিজি য়ানবদা পৌমু লেংবা য়াদ্রে। হাওবনা "ইবেম্মা নহাকপু পলেম পম্মৌ কনাগী মমোমনো লমদম কৈনা লৈবগে, কোলোয মিংলেম্না করি কৌবগে হংলক্লবদা কোমুনা ইকায়হনা লৈরিঙৈদা পৌমুনা শিং শিংনা ত কথোকলে। পাখং কোলোয়মু তাকপিরম্মু হায়রকলে। ঐগী কোলোযদি খোযোন হাওবা কৌই। ঐবু পোকপা ইপানা থুম্মৈরেম্বা, পলেম ইমানা ঙরম চমু শমথবী কৌই। পিক্লা পলেম পম্মৌ শেংনবনা লায়রা অদোম তাম খমলৌ অয়েং চেংহনা বেগেদা লমজা ওই মোইরাংদা শাবা শক্তুনা কেগে কনা খঙহন্দা মোইরাং কনা উহনদা শায়েল ফুম্বী মথক্তা পাখং য়াঙ্গোইরিবনি চায়রকপা হাওবগী রাহু তাবদা মপু মনাইদো হরাওনরে। চিংঙনা শেম্বা চারনি খোযুম্না য়োম্বা খয়োমনি মবা পাখং অনিদো উনবমক্তদা অপাম মবাং হৌনরে, নংশি পায়মা খোয়দানরে। লুরাং তৌজা মখোংদা পলেম ঙমসি রাশকনা পম্মৌ ঙমসি তেমশিংনা কোয়রেল থাঙগী ময়া অথৌবা চিক্লনা কোরৌ নোংবু মেং মালেম লৈনা খঙসন, শরি রাশক পন্দোক লোম্নরে হাওবনা লাইরা ঈরোন মংদা কুমহনা হজেল তাইথাং ভংলিবা পৌরা লিচাউহ পুম্লগা, খৌরি লিভোল লংখংলকলে। কোনমা অমুক হম্না ইল থাবদা হন্দক্তি লেমনৈ ঙা য়াম্না লকলে। মপু মনাই চঙহনা ইলদগী ঙা লৌরগা, তুজোন্দা হ শচিল্লি, তুঙ্গোল খংতপ য়ৌরে। পৌন মতোনম্মা, ইল চিংহনা লৈহৌরে, কে নদি হাওবগী নাক্লা ঙশিন্নগা "নাবি ইবুঙো মহাক্লা লমলেন লাক্তাক ঈয়াইঙা চাদবনা

ঙাংজেংনা শেংতবনা খমোংননা লৈবসি ননাও য়েংবা ঙমঙরোই। মিংকী থোংজিনক' য়াগী পৌয়োনক পিথ্রাইবীনা শেমজাকা নুংদাইবীনা য়াজাকা মোমনুগী থাঙ নিঙোল কাদা মাঙ নঙবু ইথিং লাইরেন কোন্দা চিংনুংগী হক্তি য়োকপগুম কেগে কনা খঙহন্দা মোইরাং কনা উহন্দনা থমজগে থংলেন চিংনবিগনু" হায়রকপা নুরাগী মপাউ তাবদা হাওবগী পায়মা উলগোইনুং উনবী পুক্লিং নুংগল্লে। মশানৌগী চেংলৌ চিংনা য়েংলগা "শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী! পাখং ঐদি কেগে পনবান লানবা য়াদ্রি। চহী কুমজা খরদং কেগে কনা খঙহন্দা মোইরাং কনা উহন্দনা লমলেন সোক্লাক পাংয়াইদা পাগী পারেপ তানখিগে" খুম্র-কলে। হয়েং ইনুং রাঙাল্লগা কেগে অমাইবা শাহুনা নুরাগী মোংবা ইরানয়াইদা পাখং থোংদোই হুনবিবকউ. নিঙোলনা খরাই থোঙান্দা ঙাইহুনা লৈজরমগে। অসুম্মা পুকমেন পাওমেন্নহুনা হাওবদা লৈকম তাকলম্লগা মপু মনাই অনিদো লেমলৈ ফাবা তোক্কুনা নিঙোল মৌ ময়াম হৌরগা ময়ুম তাম্না হল্লকলে।

তাউথ্রা চিঙোই অঙনবনা লংলাগী লংজিল তিংলকপা, উথুম লাবা থোংলকপা উশাই লাবনা খৌদেমলকপা অয়ুকী য়েন্দা অঙনবদা খোয়োল হাওবা হৌগংতুনা নুরাগী লৈকম থিবা থোরকলে। মশাবি উমনিংবনা ঙাওরবী কোনু লাংতোম্বীদো মনাই পৌনুগা লোয়ননা পম্বৌগী খরাই থোঙান্দা পাখং লাকপা ঙাইহুনা লৈরি। অরাপ্পদা হাওবনা কেগে অমাইবা শাহুনা লম্বীগী নাক য়েংন্ত' য়েংল য়েংলহুনা খোঙথাং লাউনা থাংহুনা লাকপহু উবদা চন নিঙোল অনিদো নুংঙাইবগী ঙমতে লৈখিদ্রে। পলেম মমা হৌগংলকপ্রা নুংশাথীহুনা মরুমলোমদা লোম্না য়েংজে। মবুঙোবু নাকোই খোঙদা পুশিল্লগা থাঙ নিঙোল কাদা লোম্না থমজগে খৌরাংলিঙৈদা পলেম মমা রায়েনঙম্বী থোরক্কুনা,·'ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা অয়ুক য়েন্দা অঙন-বদা ইমোম কদায়দা চৎকদৌরিবনো' হংলক্লে। পায়ম্মা রাখল চাওবী পাইরক্কী লৌশিং শিংবী কোন না মমাদা শাউক্লিয়হুনা "ননোম

লাইবক চাউবীদি ওন্নাং কোয়ৌ চুপ্পা লমলেন লোক্তাক পাংত্তা লেমলৈ ওান্নম তানবদা। রাংবল মৈশা লাংলুবনা কোকপান থোংবু চিকপনা তৌন্নাং কক্কা ওন্দুনা হেদো না'হে চনবতু পলেমনসু হংবিদে পম্থৌনসু তাবিদে। ইনুং চুপ্পা য় তাবা য়াদত্তুনা অয়ুক্কী মালং অয়িবদা। খঙ্গোন হকচিক লাংলগা অনা চৈনা কোক্কত্রো পায়মা নুংদা খন্দুনা মালং ঈচিক-থেমজবনি হায়না পলেমগী মকমদা অনা লাইপোং হাপচিল্লে। মমানা নুংশাখীতুনা মমোমগী মরাইবক পায়তুনা য়েংগে চঙশিল্লকপদা খঙখ্রগনি মতাগুম কোনুনা তফিং ফিংনা অমাইবা অমা লাকশিবসে পলেমনা অমুক্তা কৌশিনবিয়ু নমোমগী শমু খুবাক ময়ি য়েংহনগে, হিদাক লাংথক হংহৌসি হায়না হাওবদা লোন্না ইঙ্গিৎ তৌরম্লগা মপু মনাই ইমুংদা চঙখি। মমোমগী অরাব মতৌবু উবগা পলেম মমানা নুংশাখীতুনা অমাইবা মাবু খাম্লগা মবানযাইদা পুশিল্লকই। পৌনুনা থোবক্লগা মরিংগী মোন্না খাংনৌবা পজেংনা নাহুই লোল্লিব লিনা কায়ল ফায়িবা মোন্নাবু পায়তুনা থোংকই, কোনুনা থোংজি নাতৈ মরুমদা হাওববু লোন্না য়েংজে। হাওবসু ইমুংদা কনা কনা লৈবগে খঙনিংতুনা লোন্না য়েংশিনবদা নুবা পাখং অনিদো মিৎচি অনি থেংগাইন্দুনা খোইরুম মোমোন মিনোক্লতুনা মালেম লৈদা লুকথনৈ। মতমসিদা পৌনুনা হন্নাওনা মোন্না থাই, হাওবনা মোরাদা কমই। কোনুনা চমলৌ লানা লবৈ কোল্লগা খুদোং হিদাক পুতুনা থোরক্লগা হাওবদা পী। পলেম মমানা "হা ইবুঙো অমাইবা, ইমানা পোকচবা নচল অসিগী শমু খুবাক ময়ি অসি অমুক্তা য়েংবিরম্মু। নচলগী য়াইফনবা পুন্সি নুংশাংনবা থেরম থোদা তাকপিরম্মু" হায়রকই। কোনুনা হাওবগী মনাক্তা কম্লগা মখুৎ য়েং তিংথোকই, হাওবনা নুরাগী খুজেং পায়তুনা খুবাক ময়ি য়েংবদা নিংদোন চোংলে চোংমিন্না পূক্লিং থুক্লে থুকমিন্না য়াংলেন হুমাং ঈরিক কানরে। হাওবনা, "ইচলগী য়ামজেম মরাইবকসি কথ্রে, অহুবু কল্লক মীঙ্গাও চাংতাবা অন্না অনা নঙগদবা খরদি লৈ। মসি কোয়বদি লৈত-লায়ম্ন অনংবা অমবু তম্না লুকোই শেম্লগা মতুক থা পীজো

হায়রকপদা কেʼনন্না রা থংতুনা পলেম হংেল হঙ্গেং ঙাইকদে অকবা থবক পনকদে, ঙসিমক ইবুং অমাইবা অসি তরা লুকোই থাজসি হায়রক্লে। মমোমগী রাহু তাবদা নবুংগী চান-থরুবা ইমোম নখোয়না থৌরাংলুক্লে, ইমাদি হকচাং কনা ঙমদে হায়রমলগা মমʼদি ইমুংদা চঙখি। মমানা ইমুংদা চঙখিবগা নোননা হাওববু নাকোই থোংদা পুসিন্দুনা থাঙ নিঙোল কাদা থমখি। রাংলেন ঙাহাক লৈরগা মমানা থেʼবকুনা অমাইবা কদায়দা চংথরবগে হংলক্লবদা পৌনন্না শাউশিন্নহুনা ঙাওবু ঙাওবরা করিনো তরা লুকোই চাবদি হায়রুন্নু হিদʼক মৈথু মুংত্রিবৈদা চংখ্রে পাঙখুমই। অমুম্না হাওবনা মীরক নারক য়েংহুনা চাকনি ফিনিবা শাহুনা লাক্লগা থাঙ নিঙোল কাদা নবুা পাখং অনিহু চেক্লা চাগুম চিন্দিনা পোম্বী চাগুম চিল্লোক্লা ইনংশি ববী শাহুনা পলেম খঙদনা লৈচিন্না পম্বী তাক্লনা লৈরʼইনা অহৌং কয়া য়ারেকলগা ইনং মমৈ রায়রকপদা লমলেন লোক্তাক পাংখি। অমুম্না কোবৌ শিংবুন থরা অপাম নংশি ববীনহুনা অহৌং কয়া য়ʼতামিন্নহুনা লৈরক্লবদা নোংমদি কোʼনন্না মশাবি য়েংহুনা "শাবি ইবুঙো নংশিবা, মীচাপোক্কি লোয়ুম্বা ননাও লাইবকচাউবীদি তাঙোয়শিংদা, চল লুমলেন কাদা তারবনিনা কগে লৈবʼক খঙনবা পলেন পম্বৌ চক্রসি" হায়রকলে। মশানাগী য়ʼরহু তারগা, "শানৌ ইবেম্মা নংশিবী, কেগে পাশা তম্বা মেইবাং শল্যাই তম্বা পাখং ঐদি পলেম পম্বৌনা নাউয়োক লাউকোন্নবনা হৈরাং হৈশুং তরা মাঙ্খোইদৌরি। পাগী পারেপ য়োম্রিতৈ পুমী পুরেপ ফুত্রিতৈ চহী কুমজা থরদং লমলেন লোক্তাক ঈমাইদা চাক্তাবা চেক্ল লক্লা তিন্দুনা পোম্বী চাগুম য়াঙো-ইথিগে। শানৌগী পাম্বা নংদা চিংনা ঈথক ঈপোম লাংবিগন্নু। নম্বুংলাংগীদমক্কি অরা অনা কয়া খায়োক্লজগে পাখং শম য়ʼলৈজরোই। য়াইবী থরায় থারা তারবম্ব নোক্লা মোক্লা য়াইবী খাজগে" খুমলকলে। অম্মুম্না শাবি শানৌ অনিদো নংশি পুকচুন পাওমেমহুনা ঙকৈ ফিগুম থুপচাম্মনা লৈরকপা কোরৌ শিংবুন আমক্রে, লোইদাম থাবুমনকা লিল্লক্লে।

কোন্‌ থাজবা

নোংমা নংবান হুইনিংগুম্বা অঙম্বনা মনাই মশলগা লোয়নননা রইরি শাশিং চামা ফাবা ঙম্বা থাঙ, হুয়েন্দ লান কয়া থেনরবা তা পুথুনা হাওরৈ খানা পাংবলম লমলেন তেরবুংদা লাঙ্গোই শগোল তোংথুনা য়াওরো শাতানবা চংলি। কোরৌ চুপ্পা শাতানবদা য়াওরৌ শা অমত্তা ফংব্রবদা হুইনিংগুম্বা অঙম্বা পায়মা নংদা অশাউ খাম্বী মৈহৌরে। মনাইশিংগা লোয়নন খোইজুমান য়াংবীদা বুম্লক্লুনা তৌবুল মগাও তাব্রকপদা য়াওরো শজি অমা থেনরে। অঙম্বনা মখুংস্থ তিমেন তাবু খুথুম চেংনা পায়রগা লাঙ্গোই খুরুপ খৌথুনা মমাঙদা চেল্লিবা য়াওরৌ শজি তান্নরকপদা চবোং ভাবুং মকমগা শজি না পখি। য়াওরৌ শজি থিবা ফংলক্রুবদা খোংথুম লমজাউ মৈ থাথুনা য়াওরৌ শাখোং থিংলকলে। মালং নংশিং ঙকনবনা খাম্বী মৈতোল পুথুনা উচিরা খোইদোম খাম্বী মৈনা রায়খ্রে। খাম্বী মৈবম থংহৌদবদগী মৈগী মাশা মরুং হাইদোক্লুনা খাম্বী মৈজাওনা খুমন লেবাক য়ৌগ্রিথুনা খুমন কাওবা হিঙম্বা নোংয়াই সুজা অথোবগী পুকৈ লনগৈ তুম্মা চাকখি। খাম্বী মৈরম লিথুনা খুমন কাওবা অথোবা মনাই মশলগা লোয়ননা হুয়েন লান হৌরকলে। লাঙ্গোয় চল্লবা শজি শঙাইগী মতৌগুম নংবান হুইনিংগুম্বা অঙম্বদো খুমন লাগ্মীনা কোয়শিল্লে কাওবগী লাংদা থুরে। খুমন কাওবা হিঙম্বনা থাংচেন নোংথাং কুপ্পগুম কেগে মচা লৈরম্মু মোইরাং অঙম্বা চেনগন্‌ লাউর লাউরথুনা চোংশিল্লকলগা হুইনিংগুম্বগী লুমাংগী শয়াং পায়থুনা লৈমায়-থক্তা চিংথুরে। হৌজিক্তি রাইম্মা ইশা খোকলে হুয়েন ইয়ান ওইরে নীংশবা খোয়ুম নীংজরো হায়মা থাঙ হাইগংলক্লবদা অহল ওইবনা শামা মায়োক য়াবা ঙমজ্রবা নংবান হুইনিংগুম্বদো মখুংতগী থাঙ থাদরগা কুমবিরুহৈবা মহাক্তি ঐগী মাইবী থরায়দদি কনবিয়ু হায়রককই। খোংথুম লমজাউ মৈ থাথুনা য়াওরৌ শাতানবদা খাম্বী মৈরম থংহৌদবদগী মৈন উচিরা খোইদোম রায়খিথুনা খুমন লৈবাক য়ৌখিখিনি। নহুম খুমনগী পুকৈ

লনগৈ মাঙখিবা অহুগী শরূক অহূম হেনগৎনা লোইপোং কারক্কে। নুংবান হুইনিংগুম্বগী অশেংবা য়ারাহু তাবদা নোংয়াই সুজা অথৌবদো পায়মা রাখল লুরুক্ক তারেং তরু থোক্লা খল্লগা কাওব্লা ঐদি লোইপোং পামদে, ঐনা পাম্বা পোৎশক অমতং পীরবদি য়াইবী নথরায় কনবিগে হায়রকপা কাওবগী য়ারাহু তাবদা হুইনিংগুম্বা মথরায় নুংঙাইরে। ঐনা পীবা ঙম্বা পোৎশক ওইববদি শরিসো চিংঙ্ থাংজীংনা খঙসন্ অঙম্বা নকমদা করিমত্তা চিংনবা লৈতনা পীজগে হায়রকলে। অঙম্বগী রাহু তাবদা কাওবা হরাওনা থাঙখুমদা থাঙ হনজিল্লে হরাও মোমোন য়ায়াকা তল্লক্লে। মথাদা মনাও পোমত্রবী অঙম্বগী নমোম অমতং লৈবহূ কাওবা ঐঙোন্দা থাজরে। খুমন মোইরাং লৈবাক অনিসি চারৌ মৌরৌননা নুংশিনমা পানমিন্নসি। কাওবগী য়ারাহূ তারগা নুংবান হুইনিংগুম্বা অঙম্বা মথবায় নুংঙাইরে। লরাই পোম্বী হুইক্রুগুম ইমোম মদোম তোমশাৎনবী নুংবান তোইবী লৈমা কোন্ লাংঙতোম্বীবু খরাই থক্না লৈহাপ্পা লৈরোং লাইদা কৎপগুম অথৌবা নঙোন্দা কংলবনি হায়না মখুৎসু থাঙগী ময়া অপাবা চিক্কুনা হুইনিংগুম্বা রাশকলে। ঙসিদগী মঙানি শুবা নুমিৎতা তাওজিং হৈজিং কারকলো, তরুকনি শুবা নুমিৎতা ইরান লুহোং খোংদোংলগা অঙং অউনগা লোয়ননা খুমন নয়ুমদা ইমোম লাংলেন থিল্লক্লে। মোইরাং অঙম্বগী রাশক তাবদা খুমন কাওবা মথরায় নুংঙাইনা ময়ুম খুমন পাংখি। খুমন অথৌবগী মকমদা মমোম লাংলেন কংতুনা য়াইবী মথরায় নীঙবা নুংবান হুইনিংগুম্বা অঙম্বদো মনাইশিংগী মমাঙদা ইকায়বনা মখোঙ থাংহনা চৎপা ঙমক্রে। অবা শেংরু পাবোং লোন ইকায় মায়খোং লুরুক্লা রাখল পোৎলুম পুহনা ময়ুম মোংবা ময়ানয়াইদা হল্লক্লে। মায়খোং খেঙুম লাংশিন্না লাকপা মবুঙোবু উবদা মোয়ন্ তালোয় য়ায়েনঙম্বীনা, “হা অঙবা! ঙসি তোরবুংদা য়াওরৌ শাতানবদা য়াওরৌ শা কারক্কনা অবা মায়খোং পুহনা লাকপবু কেগৌ কনানা লাকচা খুত্থম চনবগে, মনাউসু অঙবগী অরাবা শরূক য়াজগে”

হৎলকলে। মশানৌগী য়াবাহু তাম্বগা হায়দোকলে ব্রাতাখি হাদোক্রে রা মাঙবা তাপত্রা খন্দুনা ঙক্তাক ব্রাখল তৌরগা ঙসি তোম্বরুং শাত্তাল্লবদি নমোম থাজরুবহুম তাখ্রে। ইমোম লৈরমত্রবদি খুমন কাওবা হিঙবগী মথুন্তা ঐগী ম্নাইবী খন্নায় খারমগদবনি খুম্লকলে হুইনিংগুম্বা। খোংহুম লমজাউ মৈ থাদুনা য়াওরৌ শাত্তাল্লবদা উচিরা খোইদোম মৈ রায়খিহুনা খুমনগী পুকৈ লনপৈ তুম্না চাকখি। নমোম্ব খম্নাই খক্তা লৈহাপ্পা লৈরোং লাইদা কংপগুম খুমন কাওবদা পীরগা ঐগী খরায় নিরবপনি। ঙসিদগী তরুকনি গুবা নুমিৎতা অওং অউন তুমহুনা খুমন ময়ুমদা থিল্লক্কে হায়না চিংঙ খাংজীং পন্দুনা থাংলেন ময়া চিক্কুনা শবি পন্দে ল লোম্নম্মে হায়রবপা অঙম্বগী য় রাও তারগা লমহেনবী নমোম নক্তে পসেম পম্ভৌগী য়াখং ঙাক্তদবা ইমোমনি হায়রম্লগা রায়েনঙম্বীদো মমোমগী নাম্বা ইয়োংশঙ তান্না চংখি:

কোরৌ শিংখোং রায়রকপা তময়' কোব্রি চেল্লকপা কাওরেল যণগারকপা মতম ওইরকপদা কোন্ লাংঙতোম্বী ইবেম্মা নুংবা মথরায় নুংঙাইনা নিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙ শৈরোই হৈবী তমনাগী নুংশি শৈশক লৌরগা ঈশৈ ঙংহুনা চরৈ ফিবু শাহুনা মশাবি হাওবা লাকপা ঙাইজরি। ফজেদা কোন্ ইবেম্মা য়েংবগী পেনবা নাইদেদা। উগী য়োংখম মাঙদা থা. কোম্নবা অমা থাদা পম কোম্নবা অমনা তোন্দা খম, তোনগী হৎজৈ লাকশিল্লি, সুনা খন্নাক মন্নিনা খক্তা অনি হ ই-গৎলি খাদা অনি থাদরি। উগী খোঙনেৎ য়াংতেকপী খোংবী লৈকা ফবীনা য়েংনা নেৎ ওইনা কাং, ওইনা নেৎ য়েংনা কাং নাওংখোক তাজুম্বা খক্তা থরো কাংক্রম ওল্লিবা। উশোই নমবিয়ানা শাবা পাঙল-দেমহু ময়াইদা লংচাক হানজিল্লে, লংগী লংলা তিংহুনা ওইনা হুল্লে য়েংলা ঙক য়েংনা হুল্লে ওইনা ঙক শমচেৎ নমজৈনবনা চিক লাউনা ফি খেংবদি শেল্লাং চাকরাই খোনগুম্বী, খন্ন লাউনা ফি খেংবনা তরা কৌত্ত খোনগুম্বী। শিংকাপ কুংনা থাম্লগা ফিগী ফিবাল হোতংলি শিংকাপ লননা থাম্নগা ফিগী ফিবাল গুশচিল্লি, হাকনম্ব কুংরন্দনা

হাক্লুমকসু লনহন্দা তাংনাইদবী নুর গী খুৎতুনা লোটরোই থেংহনা চরৈ ফিবু শাম্বিডৈ পলেম মমা লাক্কুনা ইমোম লংলা ভংলে চরৈ যিশাবা লেপখো খামলক্লবদা কোনু ফি শাবা লেপপি। "ইমাগী লাংলেন চরৈনু! ইমোম্ন তাউজিং মনিংনবা খোইমু কনা লৈবগে ইমাদা হায়য়ু" হংলকলবদা অমত্তা পোকপী মমোমদি পলেম পম্বোগী য়াথং ইনবগা নমোমগী ইথোদাংনি, খুংজৈ কোন্নুদো। মচাগী য়ারাহু তাবদা রা মখা তারমদনা হরাওহনা মমাদি অঙম্বগী মনাক তাম্না চেন.খিহনা রাবিরুরগনু অঙম্বা, নমোমদি খুমন কাওবদা থাজবা য়ারে। পায়মা লৌশিং চাওবী নমোমনি পলেম পম্বৌগী য়াথং ভাকনি হায়রে। মমোমগী য়ান্না তাবদা হুইনিংগুরা অঙম্বহু নুংঙাইবগী ভক্খ লৈখিদরে। মমোমগীদমক্তা অওং অউন তম্নব। চামা চামনা খুজিং ওংনা লাংনবা মমাদা তরেং শেনজা পীহনা থোঁদারক্লে।

লৌশিং চাউবী কোম্নুদো নাকোয়ননা লাক্লগা পলেম পম্বৌ অনিনা লোন্না মাবু থাজবগী ভাংনরিবা য়ারাহু ময়েক শেংনা তাংবদা নুরা মাদি রাবনা ইপাই কোয়ি কায়ে চুম্না লেপচবা ওমলক্রে। শাতানবগী তেন্না পাল্লবা শক্তি অমোমগুম নিঙোল কাদা চঙলক্লগা করো চাংশোই ঈরাওখোল খিঙেল লাইজ ঈনমখাইগুম মোলাং চেংনা কোন্দুনা নুরা হিক্রা হিক্রা কপলকলে। খোযনৌ শকপী পৌনুম্না মশাবি হাওববু পহনা নিঙোল নাদা চঙলকপা ফাওবা নুরা মাদি উদরে। মশানৌগী মিংল্লা খঙ্গাল কৈ কাদা তরং লাইজ ঈরা শিন্নহনা নিংরাগী শাইনোল পুমচেৎ চোং হিক্রা হিক্রা কপহু উবদা হাওবা লৈকম খণ্ডদরে। মশানৌ নাক্তা চঙশিনহনা শিন্নয়িবা পিরাংবু মথুৎনা তৈথোক্লগা "খরায় ঐগী তুংনকম মিরেল খোয়দাকম ওইরিবী-নম্নুংলাংগীদমক্তা মপোক লাংওন অসিমদি শানৌ নঙবু থাম্নরোই। নথংলেন ঐনদি ভবু নংগী চরৈগুম থুপচায়না লৈবসিদা নমা নীংবা কায়হনা খরায় শোকা কপ্পরা অশেংবা পুক্লিংগী য়াম্বাহু হায়ম্লো তাম্নি" তক্লক্লে। ভহ্‌'ক কপলুরগা কোননা "শাম্বি থংলেন নুংশিবা ইমানমচা পাম্নুবা! ভসি কোরৌ

নুমিৎতা পন্থৌনা। ভোববুং শাদানবদা খাঙ্গী মৈনা রায়খিদুনা খুমন লনগে তৃমবি। খুমন কাওবা হিডম্বনা পন্থোগী য়াইবী লৈগে তেমশিংলক্লবদা নিংথোলপুক্লিং খঙদন মিংথোল পোকপা পন্থৌনা নোংয় ই মাগী মফমদা শরি পন্দোল লোমদুনা লাইবকচাউবী ঐবু মমল য়াওদনা য়ো হাকলম্মে। পামদবা খুমন কাদা তাগদবগী শকৃকপুদি পাখং নম্মুংলাংগীদমক্তা খুংস্থু থাঙনা ঈমু দিব্রাক খাযদুনা য়াইবী থরায় থারগে লেপচরেনে ননাংনা। মপানৌগী য়ারা তাবদা খোয়োল লমজ লায়রবদু উত্রা মওদা তাযুংবা উহল লাংদা থুবঙম হোয়নি মাইনি হায়দনা তাংজলৈদ লুক্কুনা লৈরে। ভাহাক রাথল লংজিন পুল্লুবগা লংলা লংজিন ফংলবোই নুরা লুরিং ফাগে খল্লকলে। "শানৌ ইবেম্মা নরা করিগী খাঙথক্তা য়াঙবী থরায় মাঙগদগে। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী লৈমরেল লুচিংবী নহাক্না নঙবু য়োকপি থাকপিরকপা পলেম পন্থোগী মযাখং ইন্দনা পন্থোগী শরি নমুংলবদি কেগে লৈবাক্লা থিনা ঙাঙনগনি নুরাগী কোলোয় মিংচৎ খীগনি। হন্দক্কী মপোক অসিমদি পাম্মু পাম্মু শেৎনরবস্থু মপোক লাংওন খুদিংদা চিংঙ, থাংজীংনা কুবিদুনা অপাম নুংশি রায়থুংনসি। পাখং ঐদি লায়বা অদোন তাম খমলৌ অয়েং চেংবা পলেম পন্থৌনা নাউয়োক্লবা কেগে লমজা ওইবনা লৈবাক মীমাঙ থোকপা য়াদরে। খোংবাল নরা পিরেনহৈ চাদ তাউজিং হৈরাংনা খোংবাল থন্না পৎপঙম মপোক লাওন অসিমদি শানৌ নম্মুংলাংগীনি পাখং পুস্নি লোমথ্রগে"। অসি হায়দুনা মশানৌগী চেংলৌ শকম যেংজরবদু পাখং মিংলু নাপোমদা পিনা থুমহৎবিবনা নুরা মশক উখিজ্রে। "করি য়ারানো ইবুঙো খোয়োল ভৌবী শোইমাওদা লুরাং তৌজা মখাঙদা পলেম ঙমসি রাশক্লা পন্থৌ ঙমসি তেমশিংনা থাঙলেন ময়া চিক্কুনা অপাম নংশি রায়থুংনসি শরি পন্দোল লোম্লখিবা শাখি করিগী কাউবগে? ননাউ লাইবক চাউবীবু শাবন্দা হৌবা কুথাপকুম থাপতোকপিরগে খল্লরনে পাম্মুব।" অসি হায়দুনা কোন্নুনা মশাবি হাওববু কোল্লগা ইকায় ইকি তুংওইনা

নোংলেন খোংবগুম কপলক্লে। নুরাগী মীকপখোল তাবদা নুংশাধীক্লনা পৌনু চঙলক্লুনা মবেম্মবু থেমজিল্লি। "মৈকোক থাগী হানৌগুম হৌমিন কামিন্নবী খোয়নৌ শকপী ইতাম্নোই! নিঙোলগী থম্মোয়নুংদা চাকলিবা মৈচাকসে করম তৌরগা মুংকদগে খঙলবদি অমুক্রা ত ক-উগবা অচানবী।" মবেম্মগী য়াব্রাহু তাবদা পৌনুদো হায়কম তৌকম খঙদহুনা কপ্পা কপ্পা চংখি। নুম্না পাথং অনিদো অম্না খাম্বী মৈশ লাং নুংশি কয়না চৈনাখোলনা তুম্বা চাবা কাউখরে। অহীং চুপ্পা কপ্লতনা চোকরবী কোনুদো নোংঙাল্লমদাই য়ৌরক্লবদা মশাবিগী ফৈগন্দা মেন খাংহুনা তুমথখ্রে। শাবি শানৌ অনিমক খোম্লেন য়াংনা য়াতাখিবনা নোংঙানবা খঙখিদ্রে। নুংবান হুইনিংগুম্বনা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা লোক্লাক খোঙবান্দা কোয়থ্রিবৈদা পলেম ন্নায়েনঙম্বীনা লাক্কুনা মোম লাংলেন হৌদোক্লবে। মশাবি হাওবা মহাকস্পু নোংঙাননা হানখিবনা মপান থোকপা নংহৌদ্রে। কোনুনা মমিৎ মমায় ইপোম পোমহুনা থেংজি নাতৈ কংহুনা থ ম্নকপা উবদা পলেম মাম্মু ম্নাপ্রে। অঙাং নাউব্রা ওইবস্পু শামা কাংদোং ফায়বস্পু মাউথি শাহুনা কেজবদা মমা ওইবী কনানা মচাবু নুশিদবা য়াওবগে? লাইবকচাওবী কোনুদো ইকায় হ্ৰিকি তুংওইননা পলেম মাগী মফমদা পুক্লিং য়াম্নাদি অরেনবা কোংদোক্লগে খল্লকলে। "পলেম ইমা ইরেম্মা! নমোমগী ম্নাস্পু খঙবিদা মপু পানথ্রবা লৈরাংবু করম্না খুমন য়াইদা খাবিগদৌম্নিবনো? পলেম পম্বৌনা খুমন পুংদা থিনবা মতমদা নমোমদি লোক্লাক লাঈজ ঈরোন নুংদা চোংথহুনা নিঙোল ইদোম য়াইবী মাঙজবহু পলেম পম্বৌ অনিনা মিং পেম্না য়েংবিয়ু। হৌখিবা লোইদাম থাগী অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা কেগে অমাইবা শাহুনা নিঙোল নাক্লা লাকপা পাখং অহুঁ নিঙোল ঐগী লৈপুলনি। পাখং মঙোন্দা শরি পন্দেল লোমহুনা নুম্না য়াইবী কংথ্রবনি। হৌজিকস্পু নিঙোলগী থাঙ্গ কাদা চেক্লা কাংদোং ফানবা লৈকায় লাম্না পাইবা ওম্নবা পোম্বী চাকথাক হুনজম্নি। মোমন থংম্নায়না ভাজবা নংশি চেক্লা মাবু থাদোক্লগা নমোমা খুমন্দা

য়াঙ্গোইগদবগী শরুকপুদি য়াইবী থরায় থাবনা নমোমগী অরেপ্পা রাশকনি।" অসি হায়রদুনা অপোকপী মম'বু কোম্নুনা নোং খোংবগুম কপলক্লে। মমে মগী মতৌ উরগা পলেন ওইবী মহাকম্মু থম্মোয় পুবা য়াক্লবোউ ১মোমবু চেৎনা কোল্লগা মমা মচা কপমিন্নরক্লে। মমোমগী থঙ্গ নিঙোল কাহুদা ঈথিং ঈরেম কোন্দা চীংনুংগী হরি যোকপগুম য়োকচয়িবা খোয়োন হাওবগী মনাক তান্না চঙলক্লে। অপোকপী পলেম উবদা হাওবনা মমাগী মখোং শোক্লা খুরুমজে। পাখং চেংলৌ নুংশিবা উবদা মমানা ঙক্কুনা য়েংজে। "ইয়া লোইনাই অতোপ্পা ইহু লোইনাই নহা! ইমোমনা লৈবদা মতিক মাপা চাবনি। লৈখোক. অমতদা শাৎমিন্নবা শিংল লৈবাং, চরোং অমত্তদা য়ানমিন্নবা তাউজিং হৈরাংবু চিংঙু নোংদমখোন্না কনখিবনা লৈরাং লৈচা শেৎপা হৈরাং চারোং কেনবা তারেদো খল্লুবদা ইমাগী থম্মোয় পুবা য়াদ্রে। ইমাগী লাংলেন চরৈনু! কোরৌ শিংবুম থরদংদি খুমন লাদা তারুরো নোংয়াই কাদা য়াঙ্গোইরুরো, প্রন্থৌগী শরি নামুং ঙাকলুরো। ইমাগী লাংলেন লাইবক চাউবী নহাক অসি অপাম কাদা শেংনরে। ঙসিদগী ইমানা নহাক্কী কোলোয় মিলেনবু য়ামজেম লাইবকথীবী য়াইথিং কোনু কৌরগে" হায়না মচাগী মমিং খোল্লগা'মমা মচা মখোয় অহুমদো নোং খোংবগুম কপমিন্নবে। খোয়োন হাওবা মহাকসে মবুং শক্লবা খুম্থৌরেম্বা মতা ঙারম চনু শক্ফবীগী অমত্তা ঙাইরবা মপারিনি খঙবদা রায়েনঙম্বী মমানা কোরৌ নোঙ্গানথরবা লৈচিন খোঙনেৎথরবা মবুং মতা অনিবু কৌহুনা কপচখি। ঙহাক কপলুবগা রাখল লৈবী মমানা মমোম লাংলেনবু য়েংলগা ইমাগী লংলেন চরৈনু লোইদাম থাবুম থরদং লুহোংবা য়ৈখোক্লবা মপন ইবুঙো ফমদারবা নেংখোনবদা খুমন কাওবা তাইনরুনবা হায়জরুচো পায়মা লৌশিং চাওবা নপলনি তাক-পিরে। মমাগী পাঙ্ততাক তুংইন্না কোনু পৌনু অনিনা খিন্দনা মপাগা পোকমিন্নবা চহী য়ামহুনা ফমদারবা মপল ইবুঙো নোংথোনবগী মরানয়াইদা চৎখি।

লুহোংবা য়েথোকপা

মমোম কোন্‌ লাংগুতোম্বীনা চওলকপা উকনা মপল ফমগারবা নোংথোনবা হয়রাওনা "ইমে'ম লাংলেন ইবেম্মা ! ইপনগী নাঙ্গা ল্যাকপবু লাংলেন্‌ করি হায়নিংবা লৈবগে" হংখিরক্লে । "ইপন ইবুঙো ! ইপানা তোরবুং য়াওরো শাত্তানবগা .থোংহুম লমজাউ খাম্বী মৈ থাহুনা শারম থিংলুবদা খাম্বী মৈরম থৎপা ওমহৌদবগী উচিরা থে.ইদোম মৈরায়খিহুনা খুমনগী পুকৈ লনগৈ চাকথি । খুমন কাওব হিণ্ডহনা পম্বৈবু ফারগা শরি রাশকহন্দুনা মমোম ঐবু মমল য়াওদনা পুক-চেল ফত্তবা কাওবা মঙোন্দা য়োম্বোকপিরক্নে । ওসিদগী কোরৌ শিংবুম মঙানি শুবদা নমোমগী তাউজিং হৈজিং কারগা, তক্লকনি শুবা নুমিংতনা ইরান লুহোংলগা খুমন পুংদা নমোমবু থিনগনি তাকপিরে । পামদবা খুমন মঙোন্দা নমোম য়াঙ্গোইবা ওমজরোই । মমোমগী য়ারাহু তারগা মপলনা মোমে'ন নোক্লুনা অপঙবী নতিক নাপা চাবা ইমোমনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লুনবা খন্দুনা নঙবু পোকপা পম্বৌনা ইমোমবু থাজরব্বা ওইরমগনি । পলেম পম্বৌগী য়ারা ঙাক্লবদি কেগেদা লমকেংপী তাগনি পম্বৌগী রাশক ঙাকউ ইমোম পুক্লিং তয়াং ত.শ য়গনু থেমজিল্লি । মপলগী য়ারাহু থংতুনা ইপল ইবুঙে নহান লোইনা মমাও থাদ' নমোমনা খোয়নৌ ইতা ময়ামগা লোক্ল্যাক পাংত সেমসৈ ঙারম তানব চংপদা লমলেন খোয়োন ঙোৰী শোইমাওদা খে'য়োন ফৌদি চারা পালম পম্বৌ কায়নরবা মতু পোল্লবা চেক্লা অমা চাক্লাহনা লৈরম্মী । চেক্লাগী মতৌ উবদা নুশিরহনা চেক্লা মাবু ফারগা থাঙ্গ নিঙোল কাদা নুংশি চেক্লা য়োকচরি । চেক্লা চাউজন থিবনা পম্বৌগী শুমাংদা থাদোকপদা চেক্লা মবুক থম্না মচিঙ্গাক খুঙ্গবা ওমজ্রি । চেক্লা শাগন পায়রগা পম্বৌগী যুময়াং লাম্না লাংবদসু পোম্বী লাম্না প্যাইজবা ওমখিরোই । চেক্লা মাবু কাংদোং ফাজ্রিহৈদা থাদোক্লবদি চেক্লা ককঙাউনহনা য়াওক্লৌ শাদানবগী মথুক্তা তাগ্রগনি । পম্বৌ মরাময়াইদা লোইদাম থাবু থরদং লৈহুনা চেক্লা কাংদোং

ফানবা পোম্বী শারুং থুংনবা চেক্লা য়োকচহুনা লৈজখিগে। ইপল ইবুঙোনা নমোমবু নুংশিবিহুনা লোইদাম থাবুম খরদং খুমন পুংদা চংতনবা শীনবিয়ু” হায়জরকই। মমোমগী য়াৱা তারগা পাগ্নমা লৌশিং চাউরবা কমদারবা নোংথোননা, “ইমোম লাংলেন বারুন্নু, মীয়াইবা যাবা চেক্লা মত্তে মতম অমুদা কংলা উত্রা শঙলেনদা কায়দোংলগদবা চেক্লানি। ইপলনা খুমন মপুংয়াইদা চত্তুনা খুমন কাওবা হিঙম্বা নোংয়াই সুজা অথৌবা তাইনরুগে। লোইদাম থাবুম খরদং ওইরবসু ইমোমগী নীংবা থুংননবা লুহোংবা য়ৈথোক্লবা হোংনগে চিংঙু পরৈ চেংলম্মু” তাকপিরে। মপলগী য়ারাহু তাবদা কোন্নু পৌম্নু অনি হরাওহুনা চেলনা চেলনা ময়ুমদা হল্লকই।

থিন্দনা নুংবান কমদারবা নোংথোননা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা তৌবুল পোকপী শুমাং লাল্লগা লিক্লাই কারোং শমহুনা চয়োইপুং য়াংবী লাক্কুনা খুমন লৈবাক য়ৌরে। নংবান হুইনিংগুমবনা খোংহুম লমজাউ খাম্বী মৈ থাহুনা য়াওবৌ শাতানবদা উচিরা খোইদোম মৈ রায়খিহুনা খুমনগী পুকৈ লনগৈ চাকখিবগী লমন খুম্বা ওইনা খুমনগী লমহেনবা যণজেন নহাশিংনা মে ইয়াং যণজাবুংদগী মানল্লি যণয়াম খোমলগা হোইহুনা পুরকপহু খুমন য়াংবীদা নোংথোনগা থেংনরে। খুমন কাওবা হিঙম্বগী ময়ুমদা চঙলকপা উবদা কাওবনা মশক খঙহুনা থোরক্লগা নোংথোনবু তরাম তরাম ওক্কুনা ময়ুমদা পুশিল্লি। নোংথেনদা করিগীদমক ইয়ুম খুমন লৈবাক্লা লাকপনো হংবদা, ইমোম য়াইথিংকোন্নু লুহোংবগী রা খন্নগে লাকপনি খুমই। ইশান্নৌ নুংবান হুইনিংগুম্বনা অফ কত্ত খলহৌদনা মমোম লাংলেনবু কোয়ৌ শিংবুম মঙানি শুবদা তাওজিং হৈজিং কারকউ, তরুক্কি শুবদা মরান লুহোংগনি চিঙ্গোয়নবহু য়ায়োইদৌরি। হয়েংদগী কেগে ঐখোয়গী ইবেম্মা অয়াং লৈমা পাম্মোইবী, মহু খোংনাং লৈমগী রালোং কবোক পোকপা ঙ্কোরগনি। অয়াং চৈলমগী রালোং কবোক পোক্লিঙৈদা মোইরাং ঐখোয়গী থায়মদগী ইপা ইপুনা

চংনরকপা থৌরম তুংইন্না তুথি মৌথিবা লুহোং কৈহোংবা য়াদে। কনাগুম্বনা খঙদহুনা তৌরুববস্থ নিঙোল মরা পুল্লিদে। কনাগুম্বগী অশি অমা য়াওরবস্থ মমাংথোঙদা পুথোকপা য়াদে, মনিংথোঙদা পুথোকনৈ। চহী খুদিংগীদি রাকচিং থাগী ১৫ নি পানবা নোংমদোল থাজনা মপুং মরৈ কানা ঙানবা নুমিংতা হৌরগা লোইদাম থাবুম অমা চুপ্পা চিঙ থাংজীং লাইনা ইবেম্মা অয়াং লৈমা পাম্থোইবী মচু থোংনাং লৈমা ইবেম্মা অনিগী নাক্তা লেঙদনা লৈমিন্নবহু কুম-সিদি রাকচিং কাইরেন লোইদাম থাবুম অনি চুপ্পা ইবেম্মা অনিগী নাক্তা লৈগদৌরি।

লমতা থা অসিনা কেগে লৈবাক্তী কুরাক লমদাইবা থানি। থা অসিগী মনুংদা য়ুমহোং কৈহোংবা অমত্তা য়াদে। খুম্বক্তী মীনা খুনথাদা, খুনথাগী মীনস্থ খুম্বক্তা চংপা য়াদে। করিগুম্বা চংতবা য়াদহুনা চংলবস্থ অহীং য়ারেকপা য়াদে। শজিবু থাদি কুমজাগী অহৌবা থানি। শজিবু লাইয়েন কিশি তাইবা কোংবা লৈথোং কাংপা থানি। লোইদাম থা অসিদা নৌনা য়ুম্বাল কৈবাললবদি শজি ময়া কেনবগুম কেল্লি। যণাউ অমা লৈশিনবা য়াদে যণবী অমা য়োম্থোকপস্থ য়াদে। কালেনগী হুমনি পানবা য়ুমশাকৈশা নুমিং অসিদি য়াম্না কৈ। নুমিং অসিদা হৈজিং খরাই পুরগা মঙানি পান-বদা মরাম লুহোংলগা অণ্ডং অউনগা লোয়নন্না ইমোম রাইথিং-কোনুবু খুমন নরানয়াইদা থিল্লক্কে। নোংথোন কমদারথা অহলগী য়ারাহু হিজোকপা ঙমদহুনা য়ানিংদবা খুমন কাওবদো নিঙোল মরা পুল্লিদে চিজোয়নবহুদা কিহুনা লোইদাম থাবুম মরি কোন্নুগী লুহোংবা -য়েথোকপা য়ারে। বুংবান কমদারবা নোংথোনহু মানা নীংবা খুং-লহুনা কাওবগী ময়ুমদগী থোক্লক্পা খুমন নিংথৌগী মনাক তান্না চংখি। কেগে মোইরাং লৈবাক্তী কমদারবা নোংথোন লাকই পাউ তাবদা খুমন নিংথৌনা মরাই থাহুনা কৌশিল্লি। নোংথোননা খুমন নিংথৌগী খুয়া থাদা চরৈ কিবুম তাবগুম খুরুমহুনা রাকংলি।

"খুমন নিংথৌ য়োইমরেল! ইশ্‌নৌ নুংবান হুইনিংঙবা অঙম্বা খোংহুম লমহ্রাউ খাম্বী মৈ থাহুনা শারম খংপদা অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা মৈগী মতেঙ পাংহুনা উচিরা খোইদোম রায়খিহুনা খুমনগী লনগৈ শোকখি। খাম্বী মৈগী লমন খুমহুনা খুমন যণজেননহাশিংনা মোইরাং ঐখোয়গী যণগ্গাবৃন্দ চাক্কাজবা মানবী যণয়ামবু খোমলগা পুবিগ্রে হায়না মোইরাংগী যণজেললোইশিংনা কপ লাউবহু য়েংবা ঙমদহুনা মপু খুয়া খাদা রাকৎচগে লাকচবনি। মৈ, ঈশিং, নুংশিং অহুম অসি খোয়ুম লাইগী লংওলনি, মখোয়না তৌনিংবতা তৌবদা নমু তাইবং ঐখোযনা খিব ইতিক ওইদে। অহুম অসিদা শোকপগী মমল লৌনগন্সি লমলান্নবা লৈবাকনি"। নোংথোনগী রাকংতু য়াম্নিং-লহুনা নিংথৌনা "খুমন ঐখোয়গী লাক্ল-কানবা ঙমজবা মানবী যণ খরা মোইরাংগী লম লোক্তাক খোংবান্দা চাক্কাবা য়াওই। মহু হোইবদা মোইরাংগী যণ খরা য়াওরম্বসু য়াই। খুমন ঐখোয়গী মানবী যণদি যাথক য়াখা মযা লোইনা হৌবনি। খুমনগী "যণয়াম খন্দোক্লগা থনম্মু অতৈ অয়েম্বহু মোইরাংগী যণনি লোইনা পুজখো" হায়রকই। খুমন নিংথৌনা খুমনগী যণদি যাথক য়াখা ময়া লোইনা হৌই হায়দোকলুবসি মানা তোংলিবা লাঙ্গোই শগোলগী য়াথক য়াখা মযা লোইনা হেৌবহুদা যণসু হৌরমগদবোই নীংহুনা হায়দোকলুবনি। মহুগী খুদোংচাবা লৌহুনা মোইরাং নোংথোন ক্ষমদাবনা খুমনগী যণয়াম মরক্তগী যাখা ঙাক্ত হৌবা মোইরাংগী যণ খন্দোক্লুনা পুরকপদা খুমনগী যণয়াম য়াওখি। মহু উবদা খুমন মীয়ামত নিংথৌগী য়াখং ঙাক্তবা য়াদবদগী শাউনিংলবসু শাউবা য়াদহুনা লৈরে। মোইরাংগী যণয়াম হোইরগা নুংবান ক্ষমদারবা নোংথোন কেগে মোইরাং পাংলকলে। মপল ক্ষমদাবা নোংথোনগী পাউ তাবদা কোম্রু পৌনন্ নুংঙাইজৈ। তুবেল লাইজ ঈচেলগুম লেপ্তুনা চংলিবা মতমগী খোচংনি কোরো শিংবুম কয়া হৌগ্রে, লোইদাম থাবুম কাজিলক্লে লাংহে কুম ওলকলে। অয়াবসু ঘানা হৌগ্রে, নুংঙাইবসু

ম্যুঙাইনা লেনগ্রে। মপল নোংখে ম.১ য়ৈথোকখিবা থাবুম মরিনা মপুং ফাজিল্লক্লবদা কোন্ মাদি অঁরাবা ঈপাক্না ঈরাক্লরে কাংনা মৈশানা থম্মোয় কারকলে। খোয়োন হাওবা লমজাসু মশানৌ মনেমমচাগী খনবদা চাগনি থক্কনি কাউগ্রে। নুরা পাখং অনিদো অহীং নোংশোইবা থাঙ্গ নিঙেংল কাদা মিকপ অমত্তা তুমদবমখি লৈগ্রে। "শানৌ ইবেম্মা! য়াদবা মতাং থোকপনা পাম্মু পাম্মু কায়নরে ন্যুংশি ন্যুংশি শেংনবে। মপোক লাংওন অসিমদি পাখং ঐসে নহাক্কীনি শানৌ নওসু ঐহাক্কীনি রাংলেন মতম পুন্নমক্তা থম্মোয়নুংদা কাওনগন্সি চিঙ্গোয়নবা হাওবগী য়ারাহু তাবদা কোন্ অরা মৈচাক খ ঙবা ঙয়ক্রুতুনা হিক্লা হিক্লা কপলকলে। লমজাউ খোন্না চাকপা লাইম্নো কোয়শিনবদা চেন্নবা য়াংদৌ লম্বী উল্লক্রবদা অরা শোর পাবোৎ লোন্দুনা মথরায় রানা খাম্বী মৈরক্তা চেলনা চোংনা খাংজরী শজি অমেমগী পাংখক ওইরবী লাইবকচাউবী ন্যুবাদো থম্মোয় পুবা ঙমস্রবোই মিৎলু নাপোম অনিদা তরংগী লাইজ ঈহৌনা মখোল থোক্লা কপতুনা পাওমেন্নরকই। "শাকি ইবুঙো ন্যুংশিবা, থংলেন মাঞ্জদি পাম্মুবা! ননাও লাইবকচাউবীদি ইন্যুং অসি লেল্লগা পামদবা খুমন মপুং য়াইদা চৎগ্রগনি। পাম্মু নহাক্তি লোক্লাক পাংকী পাংয়াই শরেল ফুম্বী মথক্তা নাইতোম তাবা চেক্লাগুম চাক্কাবিহৌরো, নপাং কায়নবা পোন্বীগুম য়ারেকপিহৌরোকো ন্যুংশিবা"। অস্থুন্না পাওমেন্নতুনা মশাবি মাঞ্জগী মখোং কোন্দুনা কপলক্লে। মশানৌগী অরাবা মতৌ উবদা খোয়োন হাওবা মহাকসু থম্মোর শোক্লা কপলক্লে। পৌন্বু কৌশিল্লগা খোয়নৌ শকপী ইতারোই নহাক্লা নিঙোল হৈনা ইতুংদা পাম্মু মানা লৈবা লমলেন লোক্তাক ঈয়াইদা রাকয়ৈ হ্বিবু তোংলগা পাম্মু মাগী মফমদা তরা চেং চমলৌ য়েনশাং থিনবিয়ু অরাৎ অপা য়েংশিনবিয়ু। অস্থুন্না ম্যু মন.ই পুকমেন পাওমেন্নতুনা কপমিন্নরিঙৈদা ইন্যুং মমৈ রায়খিতুনা নোংপোক চীংখৈ হুন্নক্লে। খোয়োন হাওবা লমজাদো

মিংকী পিগা ঈয়োইনা অরা শেংর পানোং লোন লমলেন লোক্লাক পাংখ্রে। নোংপোক চীংবৈ ছল্লকপা অঙান কিরুক হাংলকপা চেক্লা উথুম তুম্বিচা খালে লৌগী লবুক শেলোই পিয়েনথক লৌরিনা কৈরেন শাবা কৌনানা রাই রাই লেলকপা চরোংকী লাংদোন কৈনা চিক পোম্বী মিংয়েং পৈরম্বা চীংখৈ মাবু চিংনা য়েং চেক্লানা তুম তুম য়াকাংরক্লে। কেগে ইনুং ঙাল্লকপা মোইবাং শোয়া হেল্লকুবা যাওবদা কোন্নু মাদি কপ্পা লেপ্পা লৈখিদ্রে। নুংবান ছুইনিংগুম্বা অঙম্বগী মবানয়াইদ্রু অমা লাক অনি লাক কেগে মীযাম তিপ্লক্লে। রায়েনঙম্বী মমান। মমোম্বু থেমহনা নৌহনা ঈক মাইথঙ্গহনা চরৈ ফিজোল অরুবা নমথাং চবৈ অহেনবা শেংপিবে। খুমন কাওবা হিঙম্বা নোংযাই সুজা অথৌবসু খুমন মীয়ামগা লোয়ননা মোইবাং তাম্না লাক্লুনা নুংবান ছুইনিংগুম্বগী মবানয়াইদা কেগে খুমন মীয়াম মমাঙদা হৌনবী কায়দনা কাওবা কোন্নু লুহোংলে। কেগে লৈবাক্কী নুপা নুপী ময়াম্না চামা চামানা খুজিং ওইনা লাংলিবা অউন পোং-যাম পুহনা কেগে সোরোক য়াংবী থক্তা পবেং নাইনা তুংথা মাথা চংপদি ককচেং কোকচাউবী ময়াম্না মরুম পুহনা চংপগা পাংখক ওইবে, কেগে অচং অওক্লা লেপ্তুনা কুম্মৈগুম য়েংনরে। খোযনৌ মভাশিংগী মবক্তা দোলাই কৈনা তোংহনা অরা মায়থোং লুকক্লা য়াইথিংকোন্নু ইবেম্মা মিংলু পিরাং ঈহৌনা কপ্পা কপ্পা মপাম লমদম তুংওইনা খুমন লৈবাক পাংখ্রে।

হাওবা-কোন্নু অমুক উনবা

খুমন্দা খোঙদাখিবী কাওবা মঙোন্দা য়াঙ্গোইখিবী কোন্নুদো লোইদাম থানা থাশিরক লাংহৈ কুম ওল্লবদা মশাৰি কাওবগী য়াথং লৌরগা মপাম লমদম পাংলক্লে মহ য়ুমদা কুম্লমলে। মৌ ওইবীনা মপাম চংপসে অনৌ অপেন অচা অথক অরু অহেন কয়ামরুম পুনৈ। অহুবু নুরা য়াইথিংকোন্নুদি হাওবা মাগী চানবা তব্না চেং-কোক অখনবা চম্মলৌ য়েনশাং অনৌবা পুরগা খুমন য়াংবী লাল্লগা

চীংহাও পোকপী শমহুনা লোক্তাক তুরগা য়াকয়ৈ হিং তোংহুনা হাওবা মানা কৈরিবা লোক্তাক পাৎয়াই তানা লাকলে। মায়ৈ থাংপোকশঙদা তরা চেংকোক চমলো য়েনশাং শীরম্মগা পম্মৌগী মনাক্তা লাক্কুনা অহীং লেপ্লগা ইন্নুং ঙানবদা কাওবা মরানয়াইদা হন্নখি। খুমন লাদা তাখিবী কাওবা মঙাল্দা য়াংগোইখিবী য়াইমিং-কোন্নু ইবেম্মা খোইজি মিহুল্ লাংখিবা হৈরাং মমি তমখিবা লোই-দাম থাশিং গুরহুনা মমোম অমা কংজররবদা কোন্নু মাদি নুংঙাইরে কাওবা মাসু হন্নাওরে। লোইদাম থাবুম অহুম কাজিল্লক্রবা কাওবদা মমোমগী কোলোয় মমিং থোন্দরে মশাবি হাওবা লাকপা ঙাইহুনা লৈখ্রে। কেগে লোক্তাক পাৎয়াইদা হাওবা মনা শিংনাং তাংদা থেক্কুনা শিংথাহুনা পাবদা চহী কুমজা কারকপা লাইহে কুম ওল্ল-ক্লবদা মশানৌ মনেমমচাগী নাক্তা চৎনবা লমজা শেম শারকলে। হুইক্লি লোংজম অনি শারগা হাওছম শেম্লগা হাওকি শেত্তুনা পাইথাং থাঙলো নাক্তা য়ানশিন্দুনা লোইবী হাও পাখং শাহুনা খোয়োন হাওবা খুমন য়াংবীদা কারকলে। খুমন কাওবগী মরানয়াই শানৌ মনেম্মচাগী মশাইকোন্দা হাওবা চঙগে নিংলকপদা তিংখংনা শ্রৌ শারিবা লৈখোক্তা শাংপা নিংথিজরবা লৈরাংবু হেক্রে থনবদা হেকঙমদবগুম খুমন কাওবা হিঙম্বগী খরাই থোঙ্গাল্ লান্নশিনবা ঙমদ্রে। য়াংলেন পুংজা থরদং হঙ্গং হন্দা চৎল্লুরগা নুপা থোদাং য়েংলগে শিরে চঙলে কোনু মশুংলাংগীনি পান্নমা নুংদা থল্লহনা হাওবা খোঙদোই হুল্লক্লে কাওবগী থোঙ্গান্দা চঙলকলে। হাওছম লেংদা থোংলিবা মখুত্তা হুইক্লি পায়রিবা হাওবনা চঙলকপা উবদা মঙ্গোন্দা কমহুনা চিনবান মৈখু লাংলিবা কাওবনা খংলাউ লাক্ত-রকই। "হায়! কাওবা ঐগী ইরানননুংদা হাওকি শেৎতুনা চঙলকলিবা লোইবী নহাকপু কনানো? নথৌ করি লৈহুনা ঐগী নাক্তা লাকপনো কোলোয় য়ারা নপাউ শেংত্রবদি য়াইবী নথরায় মাঙজনি"। কাও-বনা [illegible]রকপা অকনবা রাঙাংসি তাখদা হাওবা চপ লেপ্লি। ইম্মুংদা

মমোম্ব, কৈরা থক্কা, পয়প। তরা খোয়াং মায়োক্কন্নিরী কোন্না মেং-
খোকখিবদা হাওকি শেন্ডুনা ওমাং মতোন্দা লেপ্পিবা হাওববু উবদা
নুপা মাদি কোকচাউবী কাখ্রে। থুম্ব মাঙনা মমোম্ব, কদুংদা ওয়াদা
মপান থোয়রক্কুনা কাওবা হিঙবগী মনাক্তা চঙশিল্লে। "হা ইবুঙো
অখোৌবা! করি মত্তৌ কৌবগে? নুরা ঐগী অমত্তা ভাইজনবা ইবুং
লোইবী হাওবা মাবু য়াউবী লৌয়গা অকনবা প্রকপিগে থনবিবয়া
হাঙ্গরকলে। য়াইখিংকোন্নগী য়ারান্থ তাবদা হাওবা মান্থ য়ারা
চিঙ্গোয় পাউপ্লম্নক্লে। খুমন অঙথা, কুমশিংগী মোইরাং, নিংথৌদা
লোইপোৎ কাবা লাকপদা মপা ইপা মরূপ শায়ব। মোইরাং হুইনি-
ঙথগী মরানয়াইদা চঙলুবদা নুংশিরবী ইচল মাদি খুমন পুংদা থাজখ্রে
তারদা ইচল মাগা উনগে ল কপনি। ইচলগীদমক্তা তম্নকপা হুইত্রি
লোংজম অনিসি ইচলগী লুহোংবগী পোৎপাং পীগে থনবনি"।
হাওবগী য়ারান্থ তারবা খুমন কাওবা হিঙবা মপুক্লিংদা অচুম্বা ওই-
রবোই খল্লক্লে। "কোন ইবেম্মা ইবাই হাওবগী চানা থক্কবা থোৌয়াং
ক্তৌক্কয়ে। লমদম তাম্না নঙবু উনন্নিংদ্রুন্না লাকলিবা নবুংগী মপুক্লিং
নুংশিংহনবা য়াদেকো ইবাই লুনা তৌ। ইবাই ইবুঙো কাওবা
ইরানন্নুংদা অরা পোথাবিরম্মখো, নশেজদি খুমন কনা কাক্কখিগে"
হায়না লাঙ্গোই শাগে ল তেংথংতুনা চৎলুরগা হনজিল্লক্কুনা "কোন
ইবেম্মা, ঙসিমক্ক ইবাই হাওবা হনবা খেংগ্রনি। ঙসি অহীংসি লেক্লগা
হয়েং ইনুং ঙানবদা ইবাইবু মোইয়াং তাম্না থিন্দোকে" হায়রম্নগা
লাঙ্গোই থুক্কপ পৌহনা খুমন অখোৌরদো মপু কনা পাংথি।

কাওবনা চৎথরদা হাওবনু ইয়ুংদা কৌশিল্লগা মমোম লাংলেনবু
াখংগী তুম্পাক্ক থমল্লে। ঈরোনন্নুংদা লোইদাম থাবুম তম্না
পোয়্নগা ইপার শাংলা শাৎচরিবী শিঙেল্ল থম্বাকঙয়রী মমোমগী
কোল্লোয় মিংল্লেন থোৌরবিবু হায়না মিংলু য়াপোম অনিদা পিয়াংনা
থুমহুৎলবী য়াইখিংকোম্নুনা মকাবি মকাদা কৌজখি। হাওবনা অতম-
পাক্কা পম্নলিরা অচাং লাউরা চাউরিরী নম্নোমগী চেংলৌ চিংনা

য়েংলগা মরাইবক্তা হুন্না হন্না চুপলকই। মোইরাংগী চেক্লানা খুমন্দা চাক্তান্নগা পোকপা ইমোমনি। নুরা ইনেম্মচা থোইনা হেন্না নুংশি-বীনা পোকচবী ইমোমনি। ইমোমগী কোলোয় মিংলেনদি থোইনু কৌসি হায়রক্লে। অন্নুন্না রাংলেন পুংজা থরা শাবি শানৌ, অনিদো মিংলু পিন্নাং শিন্থনা নুংশি রাবী শান্নরে, তৌখিবা থৌদোক কয়া নীংশিংনহুনা কপম্মিন্নরে। হাওবনা পুরকপা হৈবাং কোন্‌ মানা চা-জরে, কোন্‌না পীবা লৈরাং হাওবনা চিনজবে। খুমন মপুংয়াই নোংয়াই মন্নানন্নাইদা শাবি শানৌ অনিদো লৈংখ ক অমগী হৈরাংগুম শাৎমিন্না, হৈখোক অমগী হৈরাংগুম পানমিন্নরে। ইবুঙো! চিংঙু থাংজীং নোংদমখোলনা ইমোমগী তুংদা পান্নি শাৎপ থোক্লবদি পাখংগী কোলোয় মিংলেন লৌহুনা হাওদগেন তকেন লৌখিবা থোক্লগে হায়না নুন্নানা মশাবিগী মকমদা নীজখি।

হাওবনা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী চেবশিন্না পুবকপা শিঙেল মাবু লৌথোক্লগা "হাওবা ঐগা কোলোয় মিংমান্নবী লৈরাং অসি নুরাগী চন্নে তাবু নুংদা থমহুনা নশাবি ঐনা শানৌ নাক্তা লেওদনা লৈন্নি খনবিয়ু" হায়রহুনা মশানৌ মনেমম্মচাদা শিঙেল মাবু শিন্নরে। মশাবিনা পীবা লৈরাং অহু নুরাগী খুৎনা পায়রগা লৈশক হেল্লবা লৈরাং মাবু চিংনা য়েংলগা "শিঙেল কোলোয় হংলক্লে। "শানৌ ইনেম্মচা নুংশিবী! কেগে রাথোক ওইখিবী অপাম নুংশি শেৎনখিবী লৈরাংনি। কেগে লরাই লৌখোংতা তাউখোং শেন্দাং চিনফুলৌ শঙাই কোংয়েংলৌ খান্নম নেএবাললৌ চেক্লা খুন্‌ পাকথালৌ পোম্বী মকু হুইক্রলৌ খোয়োন খম্বা হুইথৌবগী খালৈ লৌরি কাচিন্দা শিঙেল ফুগায়না শাৎপী লৈনি। খোয়োন খম্বা হুইথৌবদি তালোয় অনি তুলোন্না লুমলেন অনি থবাংনা অরাৎ অপা লৈতনা পান্নম্বী মোইরাংদা। তালোয় অহল লৈয়েংহনবীদি মপান্নি অমা শাৎহুনা মনীং তম্মা লৈজে। তালোয় অতোম্বী লৈয়েংখুবীদি মপান্নি মমোম শাৎরবত্থ মশাবিনা লুনা চান্না. তৌবিবনা মনীং মথা তমজে অরাৎ

অপা লৈক্লদে। মচেম লৈয়েংহনবীগী পাযমা নুংদা তালোয খম্বল মাগী নাইনু কিশি কিছুনা লৈযেংখুবী অতোম্বীবু কল্লক যেথিনা মাগী অশোযবা যেংহুনা লৈখি। চীংঙক লোকনুং অমদা পামব অনি যাতাবগুম সোম্নবী তালোয অনিদো মশাবিবু কিবনা মপাম্থোংদা ফজবা রাহৈ রাতানা লোযনম্নবস্নু নুবা পাযমা নুংদদি কল্লক খম্বল মৈশালাং অমনা অমব নুশিনদে অচেবা যেংহুনা লৈনখি। নোংমা অযক অঙনবদা তবা চাকঙল চাবগা খম্বা হুইথৌবনা মশানৌ অনি পুহুনা খাসৈ লৌতাবা লাকই। খোযান খম্ব হুইথৌবনা মশানৌ তালোয অনি যেলগা ইশানৌ নচিস ননাওদি যোংলেন খুত্তা পাযহুনা তেম্পাক লৈতুম কাংলম্মু। নশাবি ঐদি চীংগী পামলৌ লৌচাহু ওকলেন লবা খবাওবনা পনাউ শিংনাউ খোৎতুনা পন্দোং ফাবা ঙমদ্রে। কোখাং বানা নেমবি ফৈবোই খাহুন যাওরৌ শাবম থিংলুগে ওকলেন লাবা হাংলুখিগে” হাযবমলগা লিকুং খুত্তা পায তেন্দোং নমদা পো পাইথাও থাঙজৌ নাক্তা যান্দুনা কোবৌ কোক্তোন রাযবকপদা খোঙশ নখি। লৈযেংহনবী মচেমদি খাসৈ সৌগী লৌযাইদা যোংলেন খুত্তা পাযহুনা তেম্পাক লৈতুম কাংখরে। লৈযেংখুবী অতোনীদি যোংলেন লেংথে ংননা কে যনা চংতুনা লৌতাফম যেংবদা খাসৈ লৌরি কাচিন্দা শিঙেল ফুগাযন শাংলম্বা লৈবাং মাবু উবদা মথুংতা পাযবা যোংলেন্দু মালেম লৈদা থম্নগা লৈখোং খাদা চঙহুনা “হা লৈবাং ইতারোই করিগী অম্নুক মনিংথিজবনো। লৈযেংখুবী ঐতাক্না পারি ইবঙো শাংক্লিডৈ ইমোম লাংলেন পোমদ্রিডৈ নুরাগী নাপা থক্তবু পারি ইমোম শক্লা লৈবা, নঙবু যেংকেনো”। অসি হাযহুনা লৈবাং মাবু হেক্তুনা নুরাগী নাপাদা চিল্লগা মোমোন মীনোক যাকতম লৈয়েংহনবী মচেমগী নাক্তা লেপ্তুনা যোংলৈ নোথাং বুপ্লকল। মনাওগী নাপাদা চিল্লিবা শিঙেল মনা ঙাংনা ফজবনে, মোমনুগী চেংলৌ শক্লা হেনবনে শক্ক। লৈগা চুনবহু মশাবি মম নমচানা উবগা পুক্লিং খোয়রাংগদবা মওং মতৌহু উবদা ফক্তা লৌশিং চাউবী লৈয়েং-

হনবী মচেমদা পায়মা পুক্লিং লাংতক্লবে মথৌ শুবদা খোয়জংগ্রে। লৈয়েংখুবী মনাওবু ব্রাৱক চৈথেং শীহনগে পায়মা নুংদা খন্দুনা ওইদ রানা অওইশা মীনম য়ারা মপাও তমগদবগী মশাংবি হল্লকপা ঙাইহুনা লৈখি।

কোরৌ নারল রায়রকপা তময়া খেনজোং লাংলকপা নুমিদাং-রায়বমগী মতমদা মালংবগা চৈরোইননা খোয়োন খম্বা হুইথৌবদি খালৈ মাগী মলৌদা থুংলরে। লৈয়েংহনবী অহনগী নাক্লা চঙলগা মনমদগী তেন্দোং থাক্লিঙৈদা মোমনু তালোয় অহলনা মগাবি মমান মকাদা নুপা খম্বল রা নোনেম ফিখা থাব রাবু ফোংদোংকহ। "শাবি থংলেন লোযুম্বা! নশ নৌ ননেমমচা নুংশিবী লৈয়েংখুবী অতে-ম্বীদি অথৌবা হৈনা নতুংদা কেগে ঙাংলৌ পাখং শকহেনবগা মিংকা মিংকা মিংচান্না মচেম ঐগী ইমাঙদা তৌহুম তৌগে মতাগুম ইনুংশি পাউখোং চন্নহুনা মেলোন খুদোল লৈরাংবু পাখং শমু মখুংমা নুবাগী নাপাদা থেংলগা তাউজিং হৈরাং লম্নহুনা চামিন্নে। শাবি পুরিং চম্নবা নশানৌগী নাপাদা থেংলিবা লৈবাং মাবু নমিং পেম্না য়েংবিযু। তালোয় অহনগী য়ারাহু তারগা খোয়োন খম্বা হুইথৌবনা মশানৌ তালোয় অতোম্বী লৈয়েংখুবীগী নাপাদা থেংলিবা শিঙেল লৈচু হেল্লবী লৈরাংগী লৈশক উবনে নুবাগী পুক্লিং মুংওনবা হরাও মায়খোংহু উবনে ওইদ রানি খনখিন্দ্রে, শাউবনা লুতোন কাখবে। কেগে চনু লমকেংপী মোইরাং চনু লমহেনবী মোইবাং ঙাংলৌ পাখংগী মেলোন খুদোল লৈরাংবু চিল্লিবী হিদেন হোংনা তানিংবী তাউজিং হৈরোল চানিংবী ঙসিদি রায়রা ইশরুক খোকলে হুম্নেল ইরান ওইরে তমবা ইতিক খঙজো" হায়না লিরুং খুংতা পায়হুনা তেন্দোংদগী তেল শং-লগা লিরি তেঙ্গা থোংনা মশানৌ তালোয় অতোম্বী তম্না তেল কাপলকলে। মশানৌ লৈয়েংখুবীদি য়োংলেন খুংতা পায়রগা অরা পোথা লৈতনা হৈয়ম শোন্দুনা হারু তেংমাই কাংলিঙৈদা তেলনা পাইশিল্লকুনা খাং মাগী পনশিনফম নুরাগী য়াংলেন মতা ফবদা

মশাবিগী তেলন। পান্দুনা লৈখোক্তগী লৈরাং কেনবগুম মালেম থক্তা লোংনা তাথ্রে। তেসজিন্দগী চেম্ববকপা ঈঙাংনা নুরাগী মশা পুম্বা পুমচোং-চোং মশাবি চেংসো নুংশিবা মমিং কুপ্তনা য়েংলগা "শাবি থংলেন লোয়ুম্বা পায়মা করি রাখলনো, পাম্মু করি লিংজেলনো? নশানৌ ঐগী করি ইরাল লৈহুনা মাঙ্গ নখুংস্থ তেন্বনা মোমনুগী যাইবী লোগে তেমশিংনবিবনো?" হংজবকই। "কেগে ঙাংলো পাখংগী খুদোল লৈরাং চিন্নিবী লমকেংপী নওগী যারা নপাউ তানিংদে, চেংলো নশক যেংনিংদে" হায়না নশ নৌবু থিনা চৈবিরকলে। তেলগী চৈনাখোলবু খাওবনে মশাবিগী মীচৈবু তাবনে নুরা থম্মোয় শোক্লবোই হিক্লা হিরা কপ্তুনা 'পাম্মু করি য়ারানো, মনাও লাইবক চাউবীদি পাম্মু হৈনা নতুংদা মিংয়েং নত্তবা য়েং রাঙাঙ নত্তবা ঙাঙহুনা কেগে ঙাংলো পাখং কনাগীসু খুদোল লৈরাং চিনজদে। শ বিগী খালৈ লৌবি কাচিন্দা শিঙেল ফুগায়না শাংলিবী লৈরাং মবু পাম্মু শক্লা চিনজবনি" অম্মুম্মা যারা পাউমেল্লম্নগা মোমনু লাইবক চাউবী লৈযেংখুবী অতোম্বীদি মপাবি পোকপা ঙমদনা মমোম ফুইবা নংদনা ঈঙাং লক্লগী শেৎথরক ঈমুবক্লগী হাইথরক লৈরাং মহাক থকী যাইবী থরায মাঙখিদো। খোয়োন খম্বা হুইথোবনা মশানৌ যম্বা তুংইন্না খালৈ মলৌ লৌচিদা লৈবাং শাংকম য়েংবা চংখি। লৈকা ফন্না শাংলিবী শিঙেল মাবু উরুবদা খম্বা হুইথোবা থম্মোয় পুবা যাত্রবোই লিকং তেন্দোং হুন্দোক্লগা চংবী লফু মতুপকুম লোংনা তারিবী মবাল লৈজত্রবী মশানৌবু লৈমায় থক্তগী কৌখংলে, নুংশি চেংলো নিংখিবী মিংষম হোংদনা য়েংলগা খজাই লেংঙম চুপলকলে। "শানৌ ইংবম্মা নুংশিবী নুপী য়ারা রাচাম্না তালোয় খম্বল রানি খঙদবনা নুরাগী য়ারা নপাউ হংদনা পায়মা রাখল থেনম্বা নশাবি ঐগী খুংতা মোমন থরায় থারেদো খোয়োন খম্বা হুইথোবা ঐদি মাঙজরেদো" হায়না মশানৌবু চেংনা থাগোম্নহুনা মোংলেন খোংবগুম্না কপলকলে। মশানৌগী নাপদা থেৎলিবা লৈরাং মবু লৌথোক্লগা "কেগে খঙদবা খঙহৌরো মোইরাং

তাদবা তাহৌরো তালোয় অহন লৈয়েংহনবীগী নুপা খম্বল লৈ. তালোয় লৈয়েংখুবী অতোম্বীগী মোমন্ থরায় মাওবা লৈ” হায়না লৈরাং মাবু পায়রগা অতাওবা মীগী মতৌগুম খাক্লা খাক্লা নোক্লকলে। লৈরাংগী মউ তাবনা শানৌ থম্বাল মানবীশিংগী খুবোম চেংলৈ মাল্লিবী, লৈরাং লৈনা তাকনা চরৈ ফিশ। তেম মাল্লিবী লৈবাং মানা পোম্লগা কুহি কুম্বালথোং কুমজেং কোরি কারিবী লৈরাং ফুগায়না শাংলগা কাইরে য়েনগী মতোক মাল্লিবী মরিংগী লোইবী হাওবনা শিঙেল মাবু পামদুনা পামলৌ লৌচিদা থারিবা শিঙেল নাউর। মখোইরেল লৈরাং কোলোয় মমিংদি লোইবী হাওগী মিংথাং লৈরগা থোনখিবা হাওরৈ লৈরাংনি।” মশাবি হাওবগা কোলোয় মিংমান্নবী শিঙেল মাবু নুরা য়াইথিংকোন্না মাঙ্গ চেংলৌ য়েংবগুম য়েংজগে খন্দুনা নুরাগী চরৈ তাবু নুংদা লৈবাং মাবু চেংনা থমজখি।

কোরৌ শিংখোং রায়রকপা তময়া কোরি চেল্লকপা নুমিদাংরইরম ওইরক্লবদা খুমন কাওবা হিঙম্বা নোংয়াই সুজা অথোবদো মপু কংলাদগী কুমলক্লে। ফুঙ্গা রাংমা রাংমদা ফমমিন্নদুনা কোন্না তপ্না পানা খুদপ লান্নদুনা চামিন্নখি হাওবা কাওবা অনিদো হরাও নুংঙাই রারীদা ইনুং রায়বা খঙখিদে। ইনুং মমৈ রায়রকপা রারী শাব। তোক্লুনা রাংলেন মতম শাংদনা খোমলেন য়াতানাখ। মশানৌ মনেম্মচাগী রাখলদা হাওব। মাদ বোমলেন য়াতাব। য়াখিদে। খুমন য়াহেংচেক নোংয়াই নোংঙালচেক কাক কৌবী চেক্লানা কা কা খোংদুনা খুমন য়ুমথোং শীনবা থুংনা ইনুং ঙাল্লে পাউজেল পীরক্লবদা হাওব। হৌগংলক্লে ময়ুম মোইরাং পাংগদবগী শেম শাংক্লে। খুমন কাওবা য়াইথিংকোন্ অনিম্ু খোমলেন মিকপ থোক্লুনা হৌগংলক্লে। খুমন কাওবনা মশানৌ য়েংলগা কোন্ ইবেম্মা, ইবাইনা লোইবী চাঁংদা কাবদা পুনবা পোংয়োম শেম্মু থৌদারক্লবদা কোন্না তর্রা চেংকোক, চমলৌ য়েনশাং মনা মশীং অনৌ অপেন লাংলগা চরৈ গুবোংনা য়োমশিন্দুনা পোংয়োম শেমলে। খুমন মাগী মমাই তমবা নুপা অনিনা পোংয়োম অদু পুরগাহাওববু খুমন

যাংবী তান্না খিন্দোকহনখি। হাওবদি পোৎয়োম অহু পুরগা লোক্লাক পাংতা কুমহুনা রাকয় হি তোংলগা খোম্নোন ঙৌবী শোই পাংখি। হৈবাং মরু হুনখিবা লোইদাম থাশিং শুরবা নুবা য়াইথিংকোন্নুদো মপাবি অমা ফজবে। মপাবিগী কোলোয় মিংলেনবু হাওদগোন তকোন লৌথিবা থোল্লবদা খুমন কাওবা থম্মোয় পেন্না নুংঙাইজখি।

হাওবগী খোঙ্গুল লীবা

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা খোযোন খুম্থৌরেম্বা অঙম্বনা কোরৌ নোঙ্গাখিবদগী খোয়োন তেবী তেশারা তেশা রাখোং শেংদবা তয়াল মবী থৎতবনা কেগে মোইরাং লৈবাকসে অরা তুবৈ চল্লকপা অনং ইবৈ লাংলক্লবদা কেগে নিংথৌ পুবিৎলাই সনা রৌখ্বাদো রাখল লংজিন পুল্লক্লে। কেগে চনু নিঙোলশিংনা হৈরম চানা লৈরম চামা থিরগা চিংঙু থাংজীং খুযা খাদা তাউজিং হৈরুক কাহুনা খোযুম লাইপাউ নিবক্লে। খোযুম লাইথংনবী চরৈ ফিঙৌ শেংপী কেগে খাবি অমাই হজ্ঞবীনা চমলৌ লাতোন থক্তা ফমহুনা শরিক চোমজাও খিংনা খোযুম লাইপাউ চেল্লক্লে। কেগে পোকপা শোরারেল মোইরাং পোকপা কসাবেল অমম্বদা থৌদাবা অঙানবদা রাযেনবা চিংঙু থাজৌ লাইনা খোযুম লাইপাউ পীবক্লে। কেগে নিংথৌ ইস্নুক ইশারোই করিগী পায়মা খোয়বাংলিবনো, অকাও পরৈনবনা অরা অনা নংবনি। কোরৌ নোঙ্গানথ্রবা য়ামজেম মৈরা মুংথ্রবা খোয়োন খুম্থৌরেম্বনা থনম্বা খোয়োন ফৌদি চারা মপাবি হাওবা লায়ববু থিরগা খোয়োন তেবী তেশারা তেশা রাখোং শেংহল্লু তয়াল মবী থংহল্লু নযুম কেগে মোইবাং খুনজাও লৈচাওগনি, নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না অরাং অপা লৈতনা পানগনি। চিংঙু লাইপাউ তাবদা মপু মোইবাং নিংথৌ সনা রৌখ্বানা মোইবাংগী ফম্নাইবা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা অকল অথৌ পুম্নমক কৌখৎলগা কেগে কংলা তোংয়াইদা চিংঙু লাইপাউ খল্লবা হৌরক্লে। মোইরাং য়ুমথোং খুদিংদা চঙহুনা মপু লোইশঙ মচাশিংনা খোয়োল খুম্থৌবেম্বী মপারি

খোয়োল লমজা থেংনরবদি কেগে লৈবাক নুংঙাই য়াইফনবনি খন্দুনা নিংথৌ নাক্তা পুরকউ মন। মথুম চাউনা পিগনি হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা পাউ চেল্লে। মোইরাংগী অঙম অথৌ কনানসু পুথোক্তুনা পীবা ঙমদ্রবদা লৈবাক ম্রানরে, নিংথৌ তুম্বা চাবা চঙদ্রে। হাওববু অঙাং নৱা ওইনা নাউযোকখিবা সৌরেনহনবা অঙম্বা ফাও-বনসু লমজাগী মরী মখোং লংলা লংজিন চিংথোকপা ঙম্নক্রবদ মোইবাং শোইবেন হঞ্জবা অঙম্বনা মপু সনা মাঙদা চোংথোরক্লগা খুযা খাদা খুকমহুনা হঙ্গংলক্লে। "লিক্লাই ঙাঙোই পুরিংলাই মপু রাখল তৌবিযু। খমনুং শরা তানথ্রবা অমল থরৈ কুমথ্রবা পাথৌ খুন্থৌবেম্বগী মপারি খুয়োন ফৌদি চ রাহু কাংখুন্দা কংহুনা মুংথ্রবদা লমজা মাবু কেগে লৈবাক খুনজাউনবা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনবা লৈবাক চঙনা থিরবসু ফংলবোই ইনিংথৌ। শোইবেন হঞ্জবগী য়ারাহু তাবদা নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ পুন্নমক ঙকচান্নখি। "অঙম্বা নঙনা চিঙ্গোযনবিবা য়ারা অহুবু নিংথৌ ঐদি রাখল লাম্বা ফংদ্রে, কংগুম তাউরে লংগুম পুন্নে। লংলা লংজিন খঙলবদি পায়মা নুংদা চিন্দনা কেগে লৈবাক মমাঙদা কাংথোক্লো অঙম্বা"। মপুগী সনা য়াথং ফংলবদা শোইরেন হঞ্জবনা থৌনা ফনা হঙ্গংলকই। লিক্লাই ঙাঙোই ইনিংথৌ যোল্লবদা কনবিযু লাল্লবদা ঙাকপিয়ু চহী কুমজা কয়াগী মমাঙদা ননাই শোইবেন হঞ্জবনা নহা ওইনা যোকচবা খোয়োন হাওবা লমজাবু চিরোন হৈবা অঙম্বশিংগী খুজিল থৌবাংদগী অহীং তাংলৌ অখেংবদা কেগে লালোই তবেংনা ফাহুনা থাংজীং চীংগোন্দা লমজা য়াইবী লৌরগা মপু খুয়া খাদা ঈগী উতোং কংখিবা রাফমহু ননাই তাজহৌই। শোইরেন হঞ্জবগী রাকংতু তাবদা অঙম অথৌ পূন্নমক তাংজ মায়কক্লবে, মোইরাং নিংথৌ মাযথো খেগুম লাংশিন্না মালেম লৈদা লুক্তুনা খাম্বী মৈথক্তা ফম্বগুম রানা খাঙখি। অঙম অথৌ পুন্নমকসু ফক্লাংদা য়েকপা লাইগুম লেংবা খোংপা লৈতনা তুমিন তুমিন মক লুক্তুনা লৈনখিবনা কেগে কংলা অসি উন রাইমুক চিকথ্রে। মতম অসিদা অহল ওইহুনা ফমদারবা নুংবান নোংথোননা লৈবাক

মাওদা চৌংথোক্লুনা মপু থুয়া খাদা খুরুমহুনা হঙ্গংলকই। কেগে নিংথৌ পুরিংলাই অঙম অথৌ পুম্নমক অর্ব' পোংলুম থাবিহুনা ননাইগী যারাসি তাখিখো। কেগে কনাওম্বনা হৈগী মরু খুল্লগা লোক্তাক ঈংাইদা চুম্বদা চিংঙ্, থাংজীংগী থৌজ্রান্দগী খুমু ময়োল চোংহুনা মতোমদা হৌজবা হৈরাং চারাহু হৈপ'ল মপুং খা'বে তাজবা কুইরে নদাইরেমদি। ইশানৌ ন্'ংব'ন হুইনিংগুম্বগী মমোম ন্'রা য়াইখিংকোন্'না খোয়নৌ মতাশিংগা লোথনবা অদুদৈ লমলেন লোক্তাক পাংতা লেমলৈ ভাবম তানবদা খোযোল ঙৌবী শোইদা থেংনহুনা হৈবাং পাম্বীহু ফুল্লগা নিঙোলগী হৈকোন্দা থ'বুম খবা থাবম্বী। কোন্'ন খুমন কাওবদা লুহো খিবসি নদাইরেম্না লোইদাম থাবুম মবি যৈথোকচখি। লুহোংবা যৈথে'কপা চৎপদা খুমননা ফাখিব কেগে মোইরাং ঐখোয়গী মানবি যণযামবু নদাইরেম্না হোইহুনা পুজরকপনি। ইমোম লাংলেন কোন্'না খুমন্দা য় ঙ্গে ইবমদাইদা খোযোল হৈবাং পাম্বীদো লোক্তাক পাংখাই শরেল ফুম্বি মথক্তা অমুক থাবমই। হৌজিক্তি হৈবাং পাম্বীহু মপুং মবৈ ফানা চাউরম্লগনি নীংজৈ। নুংবান ক্মদারবা নোংথানবগী য়ারাহু তাবদা মপু পাযমা উলগোইন্'ং ন্'ঙাইবগী ঈথক ঈপোম লাংলকলে। ইপু নওগী নপাসদগী ঙসি কেগে লৈবাক্লা খুঞ্জাউ লৈচাউবা মোইরাং চাকহোং ঙাহোংগদৌরিবনি। নিংথৌ ফিদি মযেক লাববা সনানা মযুং কাববা লুপানা মফেল যৈবৰা চরৈ নমখাং, লৌথোক্লগা নোংথোন-বদা পীবিবে। নিংথৌনা নুংবাল হুইনিংগুম্বদা অঙম্বা। নহাক্লা ঙসিদগী কোম্নৌ ন্'মিৎ হুমনিগী মন্'ংদা খোযোল হাওবা মাবু নিংথৌ ঐগী খুত্তা শিন্নগদবনি। কেগে লৈবাক মমাঙদা খোয়োন হঞ্জব' হাপ্লগা তেশা রাখোং শেংহমগে তয ল মবী থংহনগে। করিগুম্বা খোযোল মাবু পীবা ঙমত্রবদি অঙম্বা ক'লা ফিদা শংকনি লোক্তাক ঙামি থেম্নগনি" হায়না সনা য়াথং পীরকলে। অকনবা নিংথৌগী য়াথং তাবদা কেগে লৈবাক মীয়ামদি হরাওনরে, ন্'ংবান হুনিংগুম্বা অঙম্বদি অব্রা কোকথোং পুহুনা মায়থোং লৈদা লুক্ক্'না মোংবা মরানয়াই পা'লক্রে। অঙম্বনা

মরু লুকনা মাইথোং লাংশিন্না খরাই থোঙ্গাল লানশিন্নকপা উবদা তালোয় রায়েনগম্বীনা মশাবিগী অরা পোংলুম থাগে খন্দুনা অঙম্বনা ঙসি কংলা থৌগুমলকপদা অরা-কোকথোং পুবিবনু কোকপান থেংবু চিকপরা লুপাল থোংবু নাববা হংজরকলে। মশানৌগী য়ারাম্বু তাবদা হুইনিংগুম্বা অঙম্বা খুমদবা য়াদম্বুনা খুন্নকই। "পাথৌ খোয়োল খুম্মৌ-রেম্বগী মপান্নি খোয়োল ফৌদি চারা থিরগা খোযোল তেবী তেশারা তেশা রাখোং শেংনা তয়াল মবী থংহনসি কেগে লৈবাক লৈচাউ-হনসি মোইরাং ঙাহোং চাকহোংহনসি হায়না কেগে কংলা তোংয়াইদা অঙম অথৌ ময়াম তিন্দুনা খন্নে। ইয়াম্বা নুংবান নোংথোনবনা ইমোম য়াইথিংকোনুনা ইরানয়াইদা লৈরিবৈদা খোয়োল ফৌদি চারা খোয়োল লমজা মাবু নিঙোলগী হৈকোন্দা হৈরাং পাম্বী ওইনা থান্নুনা থনম্মী হায়না মপু খুয়া খাদা হঙ্গংলে। ঙসিদগী কোরৌ নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা খোয়োল হাওববু নিংথৌদা শিন্নগদবনি। কন্নিগুম্বা ঙমদবা থোক্লবদি হুইনিংগুম্বা ঐবু কংলা ফিদা শংতুনা লোক্তাক ঙামি থেন্নগনি হায়না লৈবাক মমাঙদা মপু সনা য়াথং পীরকলে। মশাবিগী য়ারাম্বু তারগা পায়মা লৌশিং শিংবী তা-লোয়না "রাবিক্লনু অঙম্বা অরা পোংলুম থাবিখো ইমোম মানা ইরানয়াইদা লৈরিবৈদা খোয়োল লমজা অমা লৈরম্মী লৈরমদে লংলা লংজিন খঙদবা ইমোম পৌনু লৈরিদো। ইমোম মাবু কৌরগা অশেঙবা য়ারাবু খঙগনি হায়রকলে। খোয়োল হাওবগী পান্নি পুন্নি মুন্না খঙলবা রায়েনগম্বীনা মশাবি কিবদগী খঙদবা উদবা শাশিন্নদুনা "লাংলেন পৌনু ইমাগী নাক্তা লাউ ইমাগা রাতান্নসি কৌরক্লে। পলেম পম্থৌ অনিনা ঙাওনবা য়ারাম্বু লোন্না তারিবী পৌনুসু মমাগী মাঙদা ফোংনা থোরক্লগা "পলেম ইমা টবেম্মা, নমোমদা কন্নি তাকপীগদবা লৈবগে" হংজরকই। "ইমাগী ইমোম টবেম্মা য়ারা নপাউ শেংঙু। নচেম য়াইথিংকোনুনা ইরানয়াইদা লৈরিবৈদা নিঙোলগী হৈকোন্দা খোয়োল হৈরাং পাম্বী শক্লা পাখং খোয়োল

মহা অমবু চবৈ থুপচান্নবগুম লৈরম্বী হায়না লৈবাক্তা ঙাওনরিবা য়ারাসিবু লাংলেন নগবু খণ্ডহৌবরা” হংলকপা মমাগী য়ারাঠু তারগা লৌশিং শিংবী পৌন্নমা, “পলেম ইমা ইবেম্মা লাংঙতোম্বী ইচেম্মা পলেম পম্মৌগী নাক্তা লৈরিবৈ মোইরাং ঙাংলৌ পাখং খোয়েল নহাদো নিঙোল নাক্তা লৈবম্বী হায়না মপু মোইরাং নিংথৌনা থিরকলিবা অসিবু খোয়েল লমজা ফারগা লৈবাক নিংথৌ চাউখৎনবা থাংজীং শরেল তুগদৌরিব্রা, নচাদা শেংনা তাকপিয়ু” হায়রকলে। “ইপাগী ইবেম্মা! খোয়োল লমজা মাবু ফারগা থাংজীং শরেল তুগদবা নত্তে। খোয়োল খুম্মৌরেম্বা অঙম্বগী খোয়োল .ফীদি অশেংবা খোয়োল লমজা ফংলবদি মপু কংলাদা পাগী পারেপ ফংনবা পুগী পুরেপ য়ৌনবা খোয়োন হঞ্জবা হাপলগা তেশা রাখোং শেং তয়াল মরী থৎহন্দুনা তেশা রাহোংলগা কেগে লৈবাক লৈচাউনবা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনবা মপু সনা য়াথং লৈবাক মাঙদা লাউথোকখ্রে। লাংলেন ইবেম্মা ইপানা কোরৌ শিংবুম হুমনিগী মনুংদা পাখং মাবু মপু থুয়া খাদা কৎত্রবদি কংলা ফিদা শৎকনি লোক্তাক ঙামি থেম্নগনি হায়না ইপাদা মপু সনা য়াথং অকনবা পীরক্রবনি। ইমেম নঙনা খঙলবদি অরাবসি কোকচল্লুগবা’। মপা হুইনিংগুম্বনা তকশিল্লক্রবদা পায়মা লৌশিং চাউবী পৌনুনা ররেনঙম্বী মমাগী লোয়া য়েংদুনা মমাগী খাকা ঙারজবা পলেমগী ইঙ্গিং ফংলবগা “হা পম্মৌ রাবিরুগন্নু কেগে লমজা মচা খোয়োল হাওবগী লৈকম নমোমনা তাকচগে। মোইরাং ঙাংখরুংবা মশোইবেল থাঙলেন লুকাশোই খোযোন ঙৌবী শেই শরেল ফুম্বি মথক্তা শিংনাং তাংদা অচুম্বনা লায়রা শঙবু শারগা কম্বাং হাওনা মননা অয়ুক শনা কুপখিবা নুংদাং ঙৌনা কেমজবা লায়র খাংপোক শঙদা চাদবনা ঙাংজেংনা শেৎতনা খমোৎনা অরা চৈনা খাঙদুনা লায়রা লমজা য়াঙ্গোইরি” হায়রক্লে। মমোম পৌনুগী য়ারাহু তাবদা নুংবান হুইনিংগুম্বদু শমু মথুৎনা কোরৌ নোংমদোল্ল কংবগুম হরাওরে। ইমোম লাংলেন নহাক্তা ইপাগী থরায় কল্লেনো। কেগে

লৈবাক মীমাঙদা তাংজ মায়সি পাক্লগনি হায়না অঙম্বা হরাউ মীনোক য়াকা তম্লক্লে। থুমন পুংদা ওংখিবী মমোম য়াইথিংকোন্না কপ্পা কপ্পা য়াঙ্গোইখিবহু নীশিংলক্কুমা মিংলি থুইব্বা হুইনিংগুম্বগী মিৎলু নাপোমদা থিংঙমদবা ঈফুৎকুম পিগী ঈরা তৌরকলে। 'ইপাগী ইমোম ইবেম্মা! লাংলেন নঙগী নক্ষমদা ইপা লানখ্রে ইপাবু রাবোগন্নুবো চিংঙু নোংদমখোলনা কনখিরনা ইমোম ননীং থুংদনা ইপান থ'জ ইনীং তম য়োনজা ইখা তমখ্রে। চিংঙু থাংজীং পল্লেপ্পা থাঙলেন ময়া চিক্কুনা শরি পন্দোল লোমখিবনা নপা ঐনা ইমোমগী যাবাব নাপ্পদা হাপখিদবনি। শজিক মতুং ইনথ্রবা থাবা মমৈ য়াযথ্রবা কলা থোগাবদা দোলাই অনি থমত্রাংনা য়েংকা ওইগা কামিন্নবা, তোংজৈ থাবুম অমত্তদা থকমিন্নবা তরা চাকলুক অমত্তদা চামিন্নরকপা পাথৌ মরুপ চান্নবা নচা ইচা শীনসি রারেপনখিবা পাথৌ মাগী চুপথাবোই ইচল শফবীগী ফৌদি খোয়োল হাওবা মহাক্কা ইমোম মাগা পুন্সি লৈপুল ওইহনসি শরি পন্দোল লোম্নথ্রববু মপা ঐনা ঙম্মি মত্তাংদম ইমোম্বু পামদ্রবা থুমন মপুঙ্ময়াইদা থাখিবসি ঐগী ইর লনি। হন্দক্কী মপোক অসিমদি লাংলেম নঙবু ইমোম ওইনা ফংজরে, মপোক মপোক থুদিংদা অমুক ফংলরোই হায়না থিংঙমদবা মৈচাক্লা থংম্মায় খোল্লা চাকলবোই থুমন মাংকৈ ওন্দুনা মমোম কোন্‌কোইদুনা অঙম্ব মখোল থোক্লা কপলক্লে। পোন্‌ মমা মচাস্থু থাঙবা ঙমদহুনা কপমিংবে। কেগে ইনুং ঙাম্বগা নুংবান হুইনিংগুম্বনা নিংথৌগী নাত্তা লাক্কুনা খোযোল থুস্থেরেম্বগী মপাবি খোয়োল হাওবা লাহরবা মলেন লোক্কোক পাংযাই মোইবাং ঙাংখক্লংবা মশাইবেল থাঙলেন লুক শোই খোয়োল ঙৌবী শোই শবেল যুংম্বি মথক্তা লাযবা খাপোক শঙদা কেগে কনা উহন্দা মোইরাং বনা তাহন্দনা যাঙ্গোইহুনা লৈরে হায়না মপু সনা থুয়া থাদা হঙ্গংলে। নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না ঙাক্কংহনবনা নাকল অমা, নুংবান হুইনিংগুম্বনা নাকল অমা, শোইরেল হঞ্জবনা নাকল অমা, নৌরেলহনবনা নাকল অমা. মায়কৈ মরিদগী রাকইক্কে হি

তোংদুনা পাখং নহা ময়ামগা লমমেন লোক্তাক শিনবা গুংনা চাই-থোক্লুনা হাওবা মাবু থিবা হৌরক্লে। লৈবাক মীয়াম চওদুনা মাবু থিয়ে পাউদু খওদুনা খোয়োল হাওবদি লায়র খাংপোকশঙ থাদোক্লুনা শিংনাং তৌজা মরক্তা নাথৈহুনা লোংখিবনা কন্নানসু থিবা ফংদ্রে। কোবৌ নারল ব্রায়শিল্লক্রবদা পেগে মীয়াম পূম্নমক নীংবা কায়দুনা ময়ুম ময়ুমদা হুদ্রে। লায়ব খাংপোকশঙ মনুংদা খোয়োল হাওবা লৈরমত্রবদা নুংবান হুইনিংগুম্বা অওম্বা অরাবগী মথক্তা অরাবা হাপখ্রে। লৈবাক মীমাঙদা ইকায়বনে নিংথৌ চৈরাক্লা লুম্বনে, অওম্বা চৎপদা খোংথাং খুরৌ চেন অরা শোর পাবাংলোন চিনবাল মথক মখা কংদুনা মরানয়াইদা হুক্লে। নিংথৌ য়াথংবু কিবনা লোক্তাক লাইঙ ঈবোলনুংদা লমজা য়াইবী মাঙখ্রবরা, অরাংবা লোইবী চীংদা কাদুনা মী পোং উদবা মফমদা নাথুপতুনা লৈখ্রবরা তরেৎ তংবা থোক্ল খল্লক্লে। হয়েং ফাওবগী মনুংদা লমজা মাবু থুয়া খাদা কৎপা শুমদ্রবদি লোক্তাক ঙামি থেম্নবা তাখ্রেদকো খল্লুরগা রাখল লংজিন পুন্দুনা অওম্বা মায়খোং লাংশিন্না মবানয়াই য়ৌরকলে। কেগে লৈবাক চওনা থিবদা হাওবা থিবা ফ দ্রবগী পাউসে পৌনু মমা মচ স্নু তাবমলে। মপা হুইনিংগুম্বগী অরাবা মায়থোংদু উবদা পৌনুনা চওশিল্লক্লুনা. "ইপা ইবুংঙো ! খোয়োল হাওবগা পোকমিন্নবা খ্বাংস্নু চনু কৌবী মচেম অমা মোইবাং ঙাংখা লৈকায়দা লৈবা কৈথেল-লাকপদা ওংডি হায়না ইচেম কোনুগী মচিন্দগী তাজহৌই। নুরা মাবু থিরগা অহীং তাংলৌ অথেংবদা মী পোং অমত্তা য়াওহন্দনা রাকয়ে হি তোংদুনা মোপা হাওববু থিহনবা পস্থৌনা শীনখিক্ল হায়রকপা পৌনুগী য়ারাদু তাবদা হুইনিংগুম্বা অওম্বা থিন্দনা হাওবগী মচেম খ্বাংস্নু চনু থিরগা চেকশিন্না রাৱম পুম্বা শিন্নরে। নুংবান হুইনিংগুম্বগী য়ারাদু তাবদা হাওবগী মচেম খ্বাংস্নু চনুগা মশাখি কৈথেল লাকপগা লোয়নদা ইমুং মমৈ রায়রকপা মীচিক মীয়াউখোল তংরক্লবদা লমলেন লোক্তাক ঈরাইদা হি তোংদুনা খাঙ্গী মৈনম

পায়রগা মত্থনিংথৌ হাওবা থিবা হৌরকলে। খোয়োল ঙৌবী শোইদা চঙহুনা শরেল ফুম্বি মথক্তা শারিবা লায়ব খাংপোকশঙদা চঙহুনা য়েংবদা মহুনিংথৌনা চাবম্বা তবা চাকলেমদি থেংনরে, হাওবদি লৈরমম্রে। খ্বাংস্থু চন্ মচেম্না মহুনিংথৌ হাওববু থিবা ফংলক্রবদা লোক্তাক পাৎয়াইদা থুলাম তোয়না কৌরক্লে। "ইচেমগী ইবুঙো ইহুনিংথৌ, খোয়োল হাওবা লায়রবা নচেম খ্বাংস্থু চন্ ঐনা কৌরি-এসি তাববদি ইহুনিংথৌ অমুক্তনি থুম্নকউগবা। মপু মোইবাং নিংথৌগা য়াথংবু কিহুনা ইচেনা থিবা লাকপা নত্তে. ইহুনিংথৌ নঙবু উন্নবা লাকপনি। মচেমগী য়াব্রা মীকৌ তানা তানা খোয়োল হাওবদি থুমদনা থুপ্তুনা লৈখি। চহী কুমজ্জা কয়াগী মমাঙদা মহুনিংথৌনা মাবু থিবা লাকপদা পোকমিন্নবা ইপু লৈতে হায়না ইকায়বা পীখিবহুদা রাবৌহুনা মৌপ ানা থুমদবনি খল্লক্লে খ্বাংস্থু চন্ মচেম-দো। "ইচেমগী ইবুঙো ইহুনিংথৌ, খোয়োল হাওবা লায়রবা ইচেম্না নুপী রাখল মাঙওইনা পিক্লা নাউব্রা ওইনা শেংনখিবা ইহুনিংথৌ নঙবু ইচেম্না কাউক্লরে। ইহুনিংথৌ নঙনা নচেম ঐগী নাক্তা লাক্লনা পম্বৌ শোয়বেল হল্লবনা শোইগী খথোম লাকপিগে হায়না য়েরুম চিন্নাইদবী, উতং পৈয়া চংবী লাতোন লৌরুচো থৌদারক্লনা ইহুনিংথৌ নঙনা লাকপহু ইচেম্না ইপু লৈ কাউহুনা অথীবা মীচৈনা লমজা নঙবু ইকায়বা পীখিবা নচেম ঐবু রাবৌহুনা তানা তানা থুমজিবরনে লায়রবা। ইচেমবু চাউনবা য়োকপিরকপা পম্বৌ থাঙ্গারাকপদা ইহুনিংথৌ নঙগী মবী মথোং হংবদা অশেংবা খঙলবদা ইচেম্না নহাকপু কেগে থুল্লক কোম্বহুনা মোইরাং লৈকায় থুংবা চত্তুনা লমজা নঙবু খিবদা খোঙ্গুল লিখুন মুংখিবনা ঙসি কাওবা ইচেম্না কপতুবা পুম্বি লেল্লিবনি। ইহুনিংথৌ নঙনদি অঙাং নাউরা ওইবনিনা পলেম লৈতবা মতমদা তরা খোম্নাং লামহুনা কপ্পবলবদা ইচেমগী থুনিংথৌ চুপহন্দুনা ইচেম্না নঙবু পোরকপহু কাউ-রবরনে লায়রবা? পলেম পম্বৌ অনিনা খমন্থং শরা তাল্লমদাইদা

তাইবং মীয়োল ওল্লিবা ইচিম উপ্বাবু কেগে য়ুম্নাক তিম্নদবা মোইরাং শলাই তোঙানবদা শিমতনা নাউযোক খবনা ইতুনিংথৌ নওবু ইচেম্মা কাউক্লরে। ইচেম্মা কৌবসি তারবদি ইতুনিংথো অমুক্তদি থুম্নকউ ইচেম্মগী নক্লা লকউগবা লায়ববা"। অম্মুম্ম মচেম্মা কপ কপতুনা কৌরক্লবদা শিনাং তৌজা মরক্লা লোক্তুনা লৈরিবা হাওবতু খাওবা ওয়ক্রহুনা থোরক্লগা লমজাউ কানেন তাবগুম মচেমগী মখোং কোন্দুনা ইচেম ইবেম্ম নৌপাগী ইবান ঙাকপিয়ু হায়না নোং খো বগুম কপ্ল- কলে। মতুনিংথৌবু কোনখৎলগা ইচেমগী ইবুঙো লায়রবা ইচেম্মা চেংলৌ শকখণ্ডদবনা ইতুনিংথৌ নওবু ইকাব পীখিবতু পোকমিন্নবী নচেমনি খন্দুনা পুকলৌ পাম্নোগনকো লায়রবা হায়না মৌপাবু নংশিনা নানবিরে। মচেমগী য়ারাসি তাবপ্লা হাওবতু অপোকপী পলেম মম নীংশিংলক্তুনা, নতুনিংথৌ লাইবকথীবদি পিক্লা পলেম পন্থৌ শেৎন- বনা পলেম পান্থৌগী চেংলৌ মশক খণ্ডজহৌরে। ওসিদি পলেম শকপী ইচে নওবু ইমা কৌজগে হায়বকপা মতুনিংথৌগী য়ারাতু তাবদা খাংসু চনু ইবেম্মা নুবা থম্মোয পুবা ওয়ক্রবাই কোরৌ থক্লা ওল্লগা "পলেম ইমা ইবেম্মা কোরৌ নোংমদোল থক্লগী লৈচিল পোম্নায় হাংদোক্লুনা পাখং শরেপ ফারবা নপাম্নি হাওববু ম্নিং পেন্না য়েংবিযু" হায়না মমা কৌতুনা কপলক্লবগা মোযোল হাওবা মহাকসু কোরৌ নোংলেন খোংবগুম মখোন থোরা কপলবলে। অস্তুম্না মচিন মৌপা অনিদ্রো রাং- লেন ঙাহাক কপমিন্নবগা মচেম্ম মৌপা যেংতুনা পুকমেন পাওমেন্নবিবকই। "ইতুনিংথৌ নওনা পন্থৌগী মহুং মরেং শিন্দুনা খোয়োন তেবী তেশারা তেশা রাখোং শেংলবা তনাল মরি থলবদি কেগে লৈবাক লৈচাউগনি মোইবাং ঙাহোং চাকহোংগনি চিংডু থাংজীং লাইপাউ ফংলবদা মপু মোইরাং নিংথৌগী য়াথং মতুং ইমা কেগে লৈবাক্তু মীয়াম চণ্ডতুনা থিবগা ফল বদা ইচেম্মা নওবু উনুনিংতুনা থিরকপনি। ইচেমগী নাক্ত লেপলিবসে অতৈ কুনাস্তু নক্তে নবাই ইবুঙো কৈথেল লাকপুনি" হায়বক্লবদা হাওবনা মবাইবু খুরুমজে। "শেলৌরেল নুহাক্লা

কেগে লৈবাক্কী খন্দুনা চিংঙু শিঙ্খা পাংথোক্লবদি কেগে নিংথৌ পুরিং-লাইনা পাগী পারেপ ফংহনগে পম্মৌগী ফমথেন পীবিগে হায়না কেগে কংলা মীয়াম মমাঙদা লাউথোকখ্রবনি। লমজা নঙবু হয়েংগী মুমিংতা মপু খুয়া খাদা কংপা ঙমত্রবদি মরাল লৈঙ্গব্রা নুংবান চুইনিংগুম্বা অঙম্ববু কংলা ফিদা শংতুনা লোক্তাক ঙামি থেন্নগগি হায়নসু মপু য়াথং পীখ্রবনি। ইনুং অসি হেক ঙানবগা ইশেন ইবাই ঐশোয় অহুম মপু খুয়া খাদা চঙজহুনা চিংঙু শিঙ্খা পাংথোকলুসি" হায়রকপা মবাইগী য়াব্রাহু হাওবসু য়ানিলবদা খ্বাংসু চনু মচেম্না মৌপাবু মরান-য়াইদা পুখি।

. কেগে ইনুং ঙাল্লকপা মেইরাং শেরা চেল্লকপা লোক্তাক তাউথ্রা চেক্লানা লেমলৈ ঙা মুন্নরকপা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা কৈথেল্লাকপা অঙম্বনে খ্বাংসু চনু মচেনে অনিনা খোয়োল হাওববু পুরগা মপুগী শঙলেন তান্না লাক্নুনা সনা খুয়া খাদা খোয়োল হাওবা কংলবে। মদাইরেম হাওবগী চেংলৌ মশক উবদা নিংথৌ পুক্লিং পেনবিরবোই কৈথেললাকপা অঙম্বদা নঙনা পান্বা হায়য়ু সনা য়াথং তাকপিরে। ইনিংথৌনা চানবিরবা নংশিবিরবদি ননাই কৈথেললাকপদা পীবিগদবা মনা মথুম পুন্নমক শেলোয়েন খোয়োল হাওবদা পীনবিয়ু। মপুগী সনা নাক্তা থম্বিহুনা হৈমন তাবা খুলহনবিয়ু লৈমন তাবা ফংহনবিয়ু হঙ্গংলকপা মনাইগী য়াব্রাহু তাবদা নিংথৌ মাসু পেনবিরে। মদাইরেম অচানবা খোয়োল খুম্মৌয়েম্বগী অশেংবা ফৌদি চারানি খঙলহুনা নিংথৌনা হাওববু মপানা ফংখিবা খোয়োন হঞ্জবা কমহু খুবক্তা হাপ্লিরে। হাওবনা খোয়োল তেবী তেশরা তেশা রাখোং শেং তরাল মরী থংপদগী কেগে মোইরাং লৈবাকসি নোহৌনা অমুক নুংঙাইরে অরাং অপা লৈতরে। কুমগী নোংলেন নোংহৌনরে কোরৌ নোংমদোল শিল্লক্লে। অনৌবা নোংল্লিক ফংবদা হৈপাল লৈপাল মনা মশীং য়েনশাং নাপী পামেল উনা রানা পুন্নমকসু নৌনা য়েল্লিং হুল্লক্লে। অনৌবা লাইজ ঈনোং ফংবদা লেমলৈ ঙায়ামসু ঈকারকলে হয়াও মখে লাংল-

কাল। কেগে চাকহোং ঙাহোংলবদা লৈবাক মীয়াম্না নিংথৌবু থাগৎ-নবে, খোয়োল হাওবা মাবুস্তু শোম্নরে। খোয়োল হাওবনা লৈবাক নিংথৌগী য়াইকনবগীদমক্তা মথর্‌রায় খুবাক্তা হাপতুনা হোৎনবা কেগে লৈবাক্কী রায়েল থৌদা কয়াদা নিংথৌগী মতেঙ পাংলকপা অরাবা থৌদাং য়ারুকলবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা পেনবিহুনা হাওববু শারুংহনবা ফমথোন পীবিরে।

কোমু মপাম থোঙদাবা

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা হাওবা শারুংহনবা অঙম্বদি নিংথৌ পুক্লিং য়ুমদিন্না কাবদা দোলায় তোং কুম্বদা লাঙ্গোই শগোল তোং মনীং মখা তম্না পাল্লক্লে। পাবি পুবি হাক্তকতগী চৎনম্নকপা তালোয় য়াওদ্রবদি মোইরাংগী অঙম অথৌ ফম্নাইব' ওইবা য়াদবনিনা হাওবগী মরুপ মপাং কয়ানা তালোয় তুয়িল তম্নবা খোয়োল লাদা য়েক্লবা কেগে চনু নিঙোল অমা লুহোংনবা হায়জবদু হাওবা মানা য়াখিদে। নোংমদি নিংথৌনা মদাইরেম হাওববু কৌশিল্লগা "তয়ুম অচানবা কেগে লৈবাক্কী চৎনবি কায়হনগনু। ঙসিদগী কোম্নৌ শিংবুম হুমনি শুবদা কেগে অউন কৈথেন্দা মোইরাংগী চনু নিঙোল পুম্নমক তিলহনগে। ইদাইরেম নহাক্না পায়মা খোয়দাবা পুক্লিং খোয়জংবা শকহেনবী চন নিঙোল থল্লগা য়ুমলেপ চারা লিংঙু" হায়না মপু য়াথং পীরিরে। লোইশঙ মচা থৌপুবশিংনা কেগে লৈকায় থুংনা য়ুমথোং খুদিংদা চঙহুনা ঙসিদগী হুম্নি শুবা নুমিৎতা কেগে অউন কৈথেন্দা চনু নিঙোল পুম্নমক নওগী নওগী অরৈবা চরৈ ফিজেৎ লৈতেংহুনা তিন্দুবা য়াদে মোইরাং শারুংহনবা ফম্নাইবা খোয়োল হাওবগী মতিক মাপা চাবা তালোয় খনগদৌরিবনি হায়না পাউচেল্লে। পাউসি ঙাবদা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী চনু নিঙোল পুম্নমক অয়ুক য়েন্দা অঙনবদগী লৈরম্না চুম্নবা হৈনমনা হারবা চেংহি শম্মাল লাংলগা খুগা, নানবী রাশমচেৎ শমচেৎ তোনানবী চানা শম্নাং থায়হুনা মানা মানা পামজবা মচু

মমেন পকচবা চরৈ ফিজোল লৈতেংদুনা কেগে অউন কৈখেন্দ্রু থুলবে। মাযথোং ফজবী চনুনা মাঙদা থা, তুযান ফবী নিঙোলনা নাক্তা লেপ, রাঙা হৈবী চনুবানা তুদাং, কেগে চনু পুন্নমক হাওবা শাকংহনবা লাকপা ঙাইদুনা লৈনবকলে। মপু যাথং পুরগা তখেন শামুহঞ্জবনা মপু খোংনেংশা লুবাংবা যাঙ্গোই পিশিন্দ্রাই লমকেংপা ময়া ওইনা নম্বশা শামুগী শথা থক্তা হাওবা মাবু পুবগা চনু নিঙোল ময়াম তিল্লিবা কেগে অউন কৈথল তান্না শামু থৌবকল। হাওবা শারুংহনবা অওম্বনা যাঙ্গোই শাযাং থক্তা তোললগা লাকপহৃ উবদা মাঙদা ফম্নম্বা চনুবাশিংদো হৌগংনবক্লে তুদা ফম্ব কাংবুস্থ লেপখৎ কলে। অমগী কপলাক্তা অমনা কারে, তুথংবা কাংবুনা ফম্মু হাযদুন মমাং থাবী চনুরাগী শমপোন পাযদুনা চিংলুবগী খংনবস্থ যাওনরে। মাঙ থাবা তান্নবগী মাযথোং তরবা কুরাল ভুগদৌবে লাউনবক্লে, গশম মনা মফি মারল মফম খঙনখিদ্রে। হাওবনা যাঙ্গোই শযাং থক্তাগী চনু নিঙোল মযান্না শৈরিবা মাযকৈদা ভাযফেং লৈদুনা যেংবদা মশানৌ মনেমমচা যাইথিংকোনগা চেংলৌ শকমান্ননা নংশিবা কনাস্থ য়াওত্রবদা তখেল শামুহঞ্জবদা ইপু শামায লৈবিবা কে কপান থোংবু চিকপনা মাযথোং হাইগংপা যাদে হাযবকলে। অওম্বগী যাথং ফংবদা তখেল শামুহঞ্জবনা শামুগী শামায লৈদুনা হনখি। হাওবনা হনখিবা উবদা নোক খেদুনা হয়ওরম্বা নিঙোলশিংদো ইকায নুংশি যান্নবা নীবা কাযরদুনা ওনশিন ওনশিন খংনবা হৌরকলে চৈদ চৈরদুনা মযুম মযুমদা হন্নখ্রে।

মদাইবেম হাওবগী মপাউ তানিংদুনা ঙাইরিবা মোইরাং নি থৌগী সমা নাক্তা শামুহঞ্জবা চঙলক্তুনা কোংয়াং রাপুম তাবগুম মপু খুয়া থাদা খুকমজৈ। হাওবা মাস্থ সনা মাঙ্গদা খুরু খুদক যণশা লৈদা কুন্দুনা মপু যাথং ঙাইদুনা লৈবকলে। "ইপু শামুহঞ্জবা যামজেন লাইবকফবী কেগে চনু নিঙোল কনাস্থ অওম্বগী তালোয় শীংদা চন্নবা খল্লবগে" হংলকপামপুগী য়ারাদু তাবদা শামুহঞ্জবা য়ারা কাথোকপা

ওমদব তাঃজ লৈরা লুক্লুনা লৈরে। মদু উবদ মপু মোইবাং নিংথৌনা হাওবদা ওনশিন্দুনা "ওমুম অচানবা! নওনা নাংলিবা পাযমা নুংগী মারা পুম্বা চিনবা লৈঙন নিংথৌ ঐগী ইফমদা কাংথোকউ, ঐনা ঙম্বা ওইরবদি অঙম্বগী নাতঙপাগে তাকপিবে। মপুগী চানবিবা রঙাংদু তাবদ হাওবনা খুংযাং চাজৌ তবা লোন্নদুনা, "যোল্লবদা নবিযু, লাল্লবদা ঙাকপি নুইনংথৌ! মোইবাং থাজৌং লাইগী লাই-কলক্কে খারি লৈবাবদ পাপু হুইনিংশুম্বগী কেংযাং রাগী রাশাদা চক্লা মাবু হাগে কাঁ পোর্থী চাদি হাদবী মপাম মোইরাং লমদম থাদোক্লুনা পাননা খুমন কাওবা যাঙ্গোইখিবী যেল্লাং চাউখোং খাদা কুন্দো যেলিনা পংপগুম খুমন মবানথাইদা নুব রানা খাওলিবী লুরাং চনু অখুবী নুংবান তোইবী লৈমা কোনু লাঙ তাবী নুবা যাই-খিকোননা লেংবদা নদাই্ঁ মদি তালে যখনজ বাই লুমলেন লাদা একচাক্ল ইশবি পান্দল লামজগে মপু সনা নোংদম তম্বিযু" হাযন খুম্না খাদা খুরুমজে। মনাইগী যারাদু তাবদা মোইবাং নিংথৌরা মচেৎ অমত্ত কং থাকপা ঙমদনা তুমিল্লা সনা মাযথোং লুক্লুনা ঙাইহাক লৈরুরগা মে ইবাং নোংথে ম্ব। অঙম্বা যেঢুনা মপু যথং পীবকই। অঙম্বা নহাক্লা খুমন কাওবা হিঙম্বগী মনাক্লা চৎতুনা নুংবান হুইনিংশুম্বগী মমোমলোই নুবা যাইথি কোননবু মপানা উনখিবা অওং অউন পুম্নক্লা লাযননা মপাম মোইরাং লৈবাক্লা নশানা থিল্লকউ। নত্রবদি হুযেল লান্দাহনা অঙম্বা য়াইবী লৈবগা কোনক মবু পুগনি পাউ পীকারে ভায়বকপ নিংথৌগী অকনবা য়াথ তাবদা খোযোল হাওবনা মখুং লোন্নবগা "ইনি থৌ ননাইরেম হাওব ঐগীদমক্লা কেগে মোইরাং লৈবাল্লা করিগী হুযেন লান্তেংনগদগে নুবা মসুং লংগীনি ননাই খোয়োল হাওবগা খুমন কাওব হিঙম্বগা তাউবা কুইগুম চিক্লুজগে, কাইবৈ য়েনগুম কাওনজগে, লইবা চাং য়েংনজগে মপু মনা নোংদমবিযু" হঙৎলকলে। মনাইগী যারাদু তাবদা নিংথৌন কলা থৌপুবা কৌশিল্লগা থৌদাবকই। হয়েং ইনুং রাঙানবদা লমলেন লোক্লাক কুমদুনা লেমলৈ

ঙাবম চামা ফাগনি, কেগে তোবরুং লমজাউদা য়াওরৌ শ'রম চামা ফাদুনা কংলা উত্রা শল্লাংমৈ শাহেং ঙ'হৌংগনি। মোইরাং নিঙোল সোবা খুমনগী মাকচা পূন্নমক্সু তোরবুং লাইশা তানবা য়াওগদৌবি খুমন কাওবা হিঙম্বা নো যাই সুজা অথৌবা নহাকস্সু তোম্বুং লাইশ তানবদা লুচিংলো য়াওবৌ শ রম চ'মা ফাবা তে বাংলে হায়ব মপ সনা য়াথংবু কংলা থৌপুবা লোইশঙ মচা অনিনা লাঙ্গৌই শগোল তোংদুনা খুমন লৈবাক তানা চংশ্রবা ক ওবদা পাউ পীকই।

মোইরাং নিংথৌ পুবিংলাইগী সনা য়াথং যংলবদা খুমন কাওবা হিঙম্বনা নোংহেক ঙানবদা মশানৌ য়াইথিংকে নুদা শানৌ ইবেম্মা ঙসিদি নশাবি ঐহাক কেগে তোরবুং লমজাউদা চিংঙুলা শা তানবা য়াওরুখিগে। নপাবি হাওদগোল নমোম থে ইনবু চেকশিন্না ঙাক শেল্লম্সু পাওমেন্নরম্নগা রাইরা শাশিং চামা ফবা ঙম্বা তা, হুয়ে-লানশিং চামা ঙম্বা থাঙলেন মখুৎসু, তাউবা হুইজাজ মবি শ লান্দা থৌরবা তমব নুপা হুমযুগা লোয়নন লাঙ্গৌই শগোল তোংদুনা হুয়েল লানলাউ লাউদুনা কেগে মোইরাং শাংনা খোঙশাল্লক্লে। কেগে মোইরাং লৈবাক্তনা খোয়োল হাওবা অঙম্বনা দোলাই ফৈনা তোংদুনা শাপোৎ লানপোৎ খুৎসু থাঙ, তা, তমব নুপা যা থৈশা লোয়ননা মোইরাং ষণগা লম্বীদা খুমন কাওবা লাকপা ঙাইনা চংলি। খুমন কাওবনা শালাউ লানলাই লাউদুনা লাকপা উবদা হাওব মানা হিদাকফু পুংফা মাঙদা থা তোংজৈ থ বুম খুত্তা পায চিনবল কামৈ খুবগা করিস্সু নাচুংদমা খুমনগী মাঙদা দোলাই ফৈনা তোংদুনা চৈশৈ শক্তুনা চংলি। "থরায় চেক্লা থাবিকপী নপাম মোইরাং লমদম থাদোক্তুনা পামদ খুমন পুংদা চাক্তাখিবী লুরাং চনু অখুবী কোন লাংঙতোম্বী নহাকপু উদবা লোইদাম থাশিং য়ামলক্লে, নপাম লমদম পাংলকলো, চেক্লা চাগুম চিন্দিম্না পোম্বী চাগুম চিল্লোক্লবসি"। হাওবগী শৈশক তাবদা খুমন কাওবা হিঙম্বা পায়মা খোয়রাং খোয়শাউরে। হাওবা মাবু ঙৈংদুনা ক'ওবনা উশিং থওইদবা লপ্উরকই। 'হায

কেগে লমকেংপা মোইরাং লমহেনবা মচা কনানো ? খুমন কাওবা হিঙম্বা ঐগী ইমাওদা তৌগে মতাগুম দোক্নাই কৈনা তোংতুনা চংশিবা নওবু কম অনৌবা কাববা কম অবিবনা ? য়ারা নপাউ শেংদ্রবদি কাওবগী ইখুংতা য়ইনী নয়রাগ মাওঙনি”। কাওবগী য়ারাদু তাবদা হাওবা কল্লিস্থু থৌশাখিদে, হিদাক মৈখু শাংনা কামথোক্লগা মনঙ্গল ওন্থোক্লুনা “অতৈ কনাস্থু নত্তে, নপুংঙানি” খুমলক্লে। হাওবগী পাউ-খুম তাবদা খুমন কাওবা শাউবনা লুতোন কাখ্রে। লাঙ্গোই শগোল থৌজিন্দুনা শউন মাপান ফাংলবা শগোল শ জৈনা হাওবগী শমু মনঙ্গল তম্না যুরক্লবদা হাওবনা তোংজৈ খ বুমনা ঙাকথোকই। অস্থুম্না শাজৈগা তোংজৈগা যৈনবদা মগা মশাদি শোক্নখিদে হাওবগী তোংজৈদি তেক্লে। তোংজৈ লৈত্রবদা হাওবনা পোল্লাই থক্তুগী চোংথরগা শ জৈ লিতোল য়ান্দুনা কাওববু লাঙ্গোই শয়াং থক্তুগী চিংথরে, শাজৈদু মুল্লগা লাপ্না লংথোকখ্রে। থৌইদা খুমন কাওবা, কল্লিদা খোয়োল হাওবা মাপা তাম্বা কাওরেল যণগুম্বা, হেনখোং কধা ক্ষাইরে য়েনগুম্বা নাইতোম চংপা য়াঙ্গোই শামু লনশাগুম্বা অথৌবা অনিদু শয়েংগা শয়েংগা ঙানরে, পাম্বোমগা পাম্বোমগা মুক্লরে, খুংকা খুংকা পারনবে, কোক্কা কোক্কা থেংনম্নে. খোংগা খোংগা কাওনবে অমনা অমবু লাকচনদে। হাও মুক্লা লেংযাইচল মোংবা ত জিল খুরৌ য়েংনদুনা অমনা অমুক মখাংথং, খখো কাংক্রম ওনবগুম লৈমায় থক্তা ওন্নবকপগী উফুলনা কোরৌ নোংমদোনসি লৈচিল থাবগুম মম নকলে। কেগে অকনবা নোংয়াই অথৌবা অনিনা হম্নব লৈতনা ফুন্নবকপদা মতুং ইল্লকপা মনাইশিংদো খামকম থঙদদুনা কুম্মে য়েংদুনা, লৈনবে। খুমন মাদি অহল ওই-শিল্লকপনা শামা পাঙ্গল ময়েং তারক্তুনা মরাই চাইথরক্লে। হাওবা মাদি ইনথংলকপা নহানিনা মপাঙ্গল মথৌমা হাপকংলকপনা মানা লাক-চরে। খুমন কাওবা হিঙম্বা খোঙকম চেংহৌদবদগী মালেম থক্তা লোংনা তারিঙৈদা হাওবনা খুংলৈ থুনা চোংশিল্লক্তুনা মথবাক্তা কম্লগা মখুংনা কাওবগী মথৌরি চরম মেংতুনা য়াইবী লৌগে তেমশিল্লক্লবদা কাওবা

নুংশা থিরে। "কেগে লালোই ফম্নাইবা চুংমাই তাবন লোইহাবা অথোৌবা ঐগী য়াইবী থর্রয়দদি কনবিয়ু। চঙজরকপা মীবু হাংকে নীংলবদি নথানুংগী নপাব্রি হাংপগা মান্নবনি" হায়না ফত্ত লৌশিং শিংবা কাওবনা হাওবগী মবুক ফাব্রকলে। "হায় খুমন কাওবা অপঙবা, শামু শনিংতোৌবা, ঙমু লুকং চাবা হিদাক মৈখুম থনপা ঙসিদি য়াইবী নথরায় কনবিববনি। খুমন ননাক্তা নৈরবী নুরা য়াইথিংকে নগী তুনুম নামা তংপদা য়াইবী নথরায় মচংগনি শুঙজো" হায়না হাওবনা কাওবগী লুমাংগী শম্নাং পায়দগা লৈনায়দগী চিংখংলে। খুমন কাওবা ভিঙম্বা মীয়ামগী মমাঙদা ইকায়বনে, য়েনবগা চৈনাখোলনা নাবনে মায়থো খেগুম লাংশিন্না মালেম লৈদা লুক্কুনা ব্রা মচেং অনত্তা ঙাঙদনা শাউবনা ফিফি কামহুনা মথুম খুমন পাংখ।

খুমন পুংদা য়াঙ্গোইরিবী নুরা য়াইথিংকে নুনা খুমনগী অচং অওক মচেম মনেমগী মচিন্দগী মোইরাং যণগা লম্বীদা য়ুমশাগা লমশাগা শাথেংনবদা য়ুমশানা লাকচরে, লমশা চেন্নে হায়বা পাউসি তাবদা পায়মা লৌশিংশিংবী কোনুদো মরানয়াইদা লৈথোকপা ঙমদহুনা মপারি হাওদগোন নমদা পো, মমোম থোইনুগী খুংজেং পায়হুনা থোরক-লগা খুমনগী পল্লি কাখংতুনা মনোমদা মপাম মোইরাং লৈবাক্কী য়াংলৌ লম্বী তাকপি। "ইমাগী লাংলেন থোইনু নোংচুপ পাংনা য়েংবদা উরিবা পাক চাউরব শকয়েং মিংশেনগুম লম লিবসি মোইরাং লোক্তাক পাংনি। লোক্তাক পাংকী ব্রাংমদা কেগে থাংজীং চীংথোংদা কোংয়াং রাতোন উরিবা পামেল উতোন উরিবা অসি থাংজীং লাইগী লাই-কোন্নানি। চিংঙু থাংজীং লাইগী মখা থংবদা উরিবসিনা কেগে খারি লৈকায় মোইরাং খারি লমজাউনি। কোংয়াং ব্রাগী ব্রাতোন্দা কককচেং হুইয়া মহুম চাউনা শারিবা অশিনা নপু হুইনিংগুম্বগী মরানয়াইনি। অম্মা মমোম থোইনুদা লম্বী তাকল্লিউদা মশাবি কাওবনা মনাই-শিংগা লোয়নননা হল্লকপা লাঙ্গোই শগোল শামাম ল্লাকপগী মথোল তাবদা মমা মচা মরানয়াইদা চঙলকলে। মপান্নি নাউরা অপিশ্লক

হাওদগোন্নবু মমোম থোইনদা শিন্নরগা মপাল থোরকুনা মশাবি নোংয়াই ভাইজে। কাওবা হিওম্বগী অচাকপা খাম্বী মৈগুম অশাউবনা মাংওইনহুনা শগোল থৌজিল্লকপা উবদা অশাউ খাম্বী মৈমুৎকে খন্দুনা হবাউ মোমোন য়াকাতম তিংমিগুম মীপুকহ খাবাগুম লৌনমচাউ-। অথাপ্পদগী কৌরকই। "শাবি মাঞ্জ পাম্মুবা নোংয়াই স্নুজা অথৌবা, ঙসি কোয়ৌ নেংজদা ইপাম মে ইবাং লমদমদা চিংঙ লাইশা তানবা খোঙদোইবিকববু শাগী শাবাউ তমবিয়ু। কোবৌ মানা রাংলিভৈ খুমন মেংবা ইরানয়াই নোংযাই ঙন্না হল্লকপবু কোকপান থোঙবু চিকপবা, লুপান থোংবু নাবর ? ননাওনা কায়রৈ য়েনগুম শিকচগে, তেকপী ওককুম নানজগে পাম্মু নপাউ শেংবিয়ু। কোন্নুগী মুলশিবা রাঙাং তাবদা হরাও মাযথোং উবদা লমজাউ খোন্না চাকপা খাম্বী মৈবু নোংঙাল্লমদাইগী ঈংলবা কোয়ৌথক্কী লাইজ লিক্লানা অচাকপা খাম্বী মৈবি মুংপগুম অশাউবা পুম্বা নেমহুনা "শানৌ নঙনা খুমন ইনাক্কা লৈরিভৈ ঐবু কনানা লাকচগনি" হায়না মখুংস্নু থাঙলেন তিমেন তা কোন্নুদা শিন্নবে। মশাদা শেংলিবা শাফি লানফি লৌথোক্লগা তবা লুকোই মথেল চাহুনা অঙম্বা খোমলেন য়াতারে।

ঙাহাক লৈরগা নোংয়াই মানা য়াওল্লকপদা যুনা কাওনা য়েনখিবগী অনা চৈনাখোল কাওরক্লহুনা হাওবনা মাবু লাকচখিবহু নীংশিংলককুনা কম্মুংদগী লোংনা হোগংলগা, "অচ্চা লাবচৈদা কেগে মচা" হায়না শযেং পাম্বোম তিংলকলে। লমহেনবী কোন্নু মাবু থেমহুনা নৌহুনা মপাম মোইবাংদা থাখিগে য়াদ্রগ চৈ থাংহুনা কিহল্লগা নমহুনা থ গে খল্লক্লে। "হায় মোইরাং চন্নু লমকেংপী তাজৌহে। নপা নুংবান হুইনিংগুম্বনা তোরবুং লমজাউ মৈথাহুনা য়াওরৌ শাদানংবদা থোইহুম লমজাউ মৈচাকুম্মা খাম্বী মৈরিক্লা নোংমদোল থক্লা পাইহুনা নপাম মোইরাং মৈহৌরে মৈরিক তাংদোইনা নোংমদোন শাংখং শিন্দৌরে। নুংবান হুইনিংগুম্বগী মোংকা মরানয়াইহু খাম্বী মৈরাইহুনা পুকৈ সমগৈ হুমহৌরে। পলেম নমা রায়েনঙহীস্নু খাম্বী

মৈশা লাংডুনা খরাই লাইকন্নহৌরে। খোংহাই থুনা চৎতুনা নপাম খাম্বী মৈকনজরুচো"। মশাবিগী য়াৱা তাবদা শাবি নোংয়াই অথৌবা পাম্মু করি ৱানোদা। মোইরাং খাম্বী মৈগাকনা, ইপাগী মরানয়াত মৈৱাম্নবা. কাওবদা শাবিনা করিগী খাম্বী মৈকনবিদবনো হংজরকই কোননা। মশানৌগী য়াৱা তাবদা কাওবা অশাওবা মৈচাক হেনগংলকনা কেগে চনু লমকেংপী থুনা য়াওনা চৎতুনা নপাম খাম্বী মৈকন্নজরু হায়ৱকলে। ইবুঙো হয়েং ইনং ঙাল্লগা ইপামদা চৎচগে কোরৌ শিংখোং ৱায়খিবনা ইপাম মে ইৱাং য়ৌবা ঙম্ৱোই খুমজবা কোননুগী য়াৱোহু কাওবা মানা তাবিদে। মোইৱাং চনু ওক্রবা চিম্বগা অরং অৱংননা য়াৱা পাউথুম্নমু শাট। হৌজিকমক চংতুন নয়ুম মোইৱাং খাম্বী মৈকন্নজরু। নত্রবদি খাংউ থকা নুৱা য়াইবী মাঙজনি হায়রকপা মশাবিগী অকনবা ৱাঙাং তাবদা কোনু পন্থনা লৈবা ঙমদ্রে। মমোম থোইনুগী শমু মনঙন্দা মপারি হাওদগোনবু থোঙ্গৎলগা ইমাগী তুংদা নচুনিংথৌ কপহনগন. হায়না মমোমদা শিম্নৱে।

কোননুদি পন্দনা ৱাকয়ৈ হি তোংডুনা লমলেন লোক্তাকু লাম্থোক্কনা মপাম মোইৱাং য়ৌখ্রে। ম্বাংচেং মচি নাই কৈজা পোপতেক লোম্দুনা অৱা শোর পাবোৎলোন নিংশা থবেৎ থবেং হোন্দুনা পলেম মমা কৌর কৌরডুনা চেল্লক্লে। "পলেম ঙসি মোইরাং মৈহৌডুনা পন্থৌগী পুক্কে লনগৈ তুম্না চাকলে হায়বা ইশাবি কাওবগী য়ারাশিবু অচুম্বরা" হংলবদা পাইরক্কী লৌশিং লাক্কুনা রায়েলঙম্বী মমানা "ঙমে'ম লাংলেন ইবেম্মা, ঙসি মোইরাং মণগা লম্বীদা য়ুমশাগা লমশাগা শাথেংনবদা য়ুমশানা লাকচক্কনা লমশা চেল্লে" পাউ তাই। মমুদা ইমোম্মু তাল্লকপা ওইরিনি। নপারি মমোম য়াওদনা.নপামদা য়ুমদাবা হৌনদে। ৱাংলেন থিন্দনা খুমন নয়ুম পাংলো হায়রকলে। মমাগী য়াৱাহু তারগা মপারি মমোম কায়নবগী মৈচাকপু পুঙমজ্রবী লাইৱকচাউবী কোনদো অকি অথঙ লৈতনা কোরৌনা নারল ৱায়খিবা

মালেম্না মমশিল্লক্লবদা লমাংলেন লোক্তাক লান্দুনা চেন্না চেন্না লাকপনা খুমন মরানথাই থোক্লে। ইনুংমাংমা রাথরকপা মীচিক মীশাক্লথোল তন্নকুবা মতমদা কাওবগী মাঙাল কাখত্তুনা ইমোম থোইমু, ইমা লকাংল, চাবগী পোইবোন শংতুনা থোংজি নাতে কালো" হায়না থৌদাকচে। কোনুগী মখাল তাবদা কাওবা মিকপ থোক্লকলবোই "কেগে চমু ওক্লবী যাইবী নথবাব লেগে খওগনি" হায়না লুখুমদা য়ুংলিবা থুংস্তু তাহু শংতুনা লংলকপদা চিংওু থাংজীং লাইনা কোনবু শনবিবোই মশাদদি পাদনা নুরগী ফানক ফিথাল তুনা মালেম লৈমাথদা যুংলে। কোনু শিবম্নগনি থন্নতুনা কাওবা মাদি থৌশাদনা নুঙাইনা খোমেন য়াত্তাখ্রে। লাইবক চাউবী নুজাদি থাইথী মাওবা ওবে কিথনা থোঙাল তান্না চেংথে কনুবগা মপাথি মমোম্না তুমলিবা কা তান্না লোম্না অমুক চওশিল্লক্লে। ফক্লাং শিংখোং অবনবা পাথাগী পোমিং অবাউবা থেংলগা শিংনাং তাংদা অচুম্বনা থিন্দুনা নাশোল পিক্ল মমোম্বু হৌদাক্লক্লে। খুমন কওবগী মীথাওখোল তাবদা কিবনা মহুনি থৌবু চেংনা কোনশিল্লগা তিমেন তানা পান্দুনা পলেম মমা শিথম্বা তারে থন্দুনা থোইনুদি মখোল থোক্লনা। হিক্লা হিক্লা কপচবিবী থোইনুনা তাম্নহুনা ফক্লাং শিংখোং অরুনবদা মমা মচা লোম্না পাও-মেন্নরক্লে। "ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা ওসি অহীং খুমন ইতা থাংবীগী মবানয়াইদা য়ারেক্লগা ইমাদি হযেং নোংঙানবগা মোইবাং পাংথ্রগে। নমা থাংবীদা ইমানা মোইরাংতাবা অশম্বা লম্বী তাক্লমগে। নমা থাংবীনা তাকপা য়াংদৌ লম্বী মতুং ইমা নহুনিংথৌ পুরগা ইমাগী নাক্লা লাকউ। নহুনি থৌনা খোম্লাং লামহুনা কপ্লক্লবদি ইমানা খোংবাল চমলৌ পাংখোকলা লায়োন তবেংতা খোম্লাং শুম্লগা ইথোং শওগী য়াখুমদা থেংলমগে লশিংনা লুপ্লপা নহুনিংথৌবু চুপহল্লু।" নহুনিংথৌ অপিশকপু ইমোম নওনা চেকশিম্না ওকিঁ শেল্লু"। অস্তুম্না মমোম্বু পুকমেন পাওমেন্নরম্নগা কোমু কপ্না কপ্না খোওশানখ্রে। লাইবকচাউবী থোইনুদি হিক্লা হিক্লা কপ্তুনা লৈক্লৌরে৭

অহীং চুপ্পা মহুনিংথৌমা কপ্পককন্না নংশাথীদুনা মৌপ্‌াবু মথাদা চেংনা কোন্নপ্পা অহীং মীশেল খাওজখি। নোং হেক ভানবগা মপা হৌগংলক্লিৈদা মমানা শুমহুনা থনম্বা খোম্লাং অহু লৌশিল্লগা লশিং মপোপ্তা লুপ্লগা মহুনিংথৌবু চুপ্‌হন্দুনা অরাম্বা কোকহল্লি। কাওবনা মিকপ থোরক্তুনা মপাল থোরকপদা কোন্‌ লৈরমদবহু উবদা শাউবনা লুতোন কাখ্রে। কমুংদা কমহুনা মহুনিংথৌবু খোম্লাং শীথকলিবী থোইনুদা ওনশিন্দুনা নমা ওক্তবী কদায়দা চংগ্রে চায়না খঙলাউ লাউরকই। কাওবগী খোল্লাও তাবদা খঙদুনা হাওদগোল কপ্পকই। থোইনুনা মৌপ্‌াবু পোরগা মপান্দা থেম্বা থোকখি। নৌরিবা নাউবা অনিবু চিংনা য়েংলগা মীনুংশি খঙব্রবা কাওবনা য়াইবী মথরায় মক্তি লৌররোই, থাকচমনগী লাক্লগে য়োকচমনগী ফুগে খল্লক্লে। "হায় থোইনু লমকেংপী মচা! হয়েং ইনুং ভানবগা মহুনিংথৌ পোবগা খুমন লৌখা মণজাবুংদা কাওরেল মণহুং ইন্না মানবি লিতোন পায়দুনা মণয়াম শেনবা চংলু" থৌদারে। মপাগী য়ারাহু তাবদ' কিবনা তুজুং-লবী থোইনুনা "ইপা ইবুঙো হয়েংদগী হৌনা তরা চাকঙল চারগা মানবী মণয়াম শেনবা চংচগে। ইহুনিংথৌ পিশক অসিতদি পম্থৌগী মাক্তা থমজরমগে হায়জববু নৌপ্‌া পুদুনা চংলু লাউরকই। তরা চাকঙল চাদুনা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদগী মণয়াম শেনগদবনি হায়রম্লগা কাওবা মপান থোকখি। ফুবিগন্না কিবনা নিংদোল চোংলবী থোইনুনা মৌপ্‌াবু পোখংলগা ইমুংগী থবক ইনখাং মুবা নোম্বা হৌরকলে।

মমা মচা উন্নবা

মপা কাওববু কিবদগী থোইনুনা নোং হেক ভানবগা মহুনিংথৌবু নমদা পোখংলগা মণগোনগী পৌরোন হাংতোক্লনা মণয়াম পুরগা খুমন লৌখা মণজাবুংদা মণ শেনবা চংলি। কোংয়াং রাশা শাইজ মমা পায়রগা চেলনা চেলনা কালবি মণয়ামগী মথুং ইল্লিবী থোইনুগী মতৌ উবদা খুমন অচং অওক্পা কাওববু কিবদগী বচিন্দা কাংথোকপা

ওমজ্রবস্মু মপুক্লিংদদি কাওবনু মীনুংশি খঙদে নীংনখি। মণজাবুং খোয়গ মচোই মচোই চাক্তাম্নিবা মণযামহু পুম্না হোইজিল্লগা পুলৈ নর্মবযাম, কুন্না হৌব মকমদা চৈগ নহোং থাহুনা মহুনিংথৌবু শুমই। মহুনিংথৌনা পাযমা খোমি কহুনা খামসাং লামহুনা কপলক্রবদা থোইনুনা ইল্লিবা চৈরেগী কিজিহু ঈশিংদা চোংহল্লগা খোম্লাংগী মহুৎ শিন্দুনা চুপহনলি। তয়া চারক্তবগী চোকথবনে, মানবি মণযাম শেনবগী য়াবন কোযৌনা নেম্লকপদা থোইনুনা মানবি মণযাম হোইগংলগা খয়া ওল্লগা মযুম তান্না হল্লক্লে। খুমন কাওবা হিওম্বনা ওন্না মণযম হোইগংতুনা মবুক থন্দ্রে হাযনা শাউহুনা ফুগে তৌবক্লবদা থোইনুম মনঙ্গদা পোবিবা মৌপাক্ত শেক্লুগব্রা নুংশাখিহুনা মথাদা চেংনা কোল্লগা "ইপ ইবুঙো তয়া চবুক লামমনখিবনা নমোম্না মণযাম অসি খয়া ওন্না তোইগংচবকপনি। হাবংদগাদি কোবী মালেম মমড্রিভৈদা মানবি মণযাম হৌগংলক্কে। ওসিদি নমোমগী ইবাল ডাকপীগু" হায়না কিবদগী কপ্তুনা হাযজবহু কাওবনা থওইন তবিদে। ইমুদা চঙলগা খাকলম্বা তবা চাক অহু চাবদা মবুক থন্ত্রবস্মু ঈশিং থম্না থকচিল্লগা অহীং অহু য়ানা লেনখি। ইনুং হেক ডানবগা ওবাংগুম্না থোইনু মহুনিংথৌ পোবগা মানবি মণযাম হোইহুনা মণজাবুংদা থুংলয়ে। খুমন কাওবগী চৈকু কিবনা নুমিংতু খবা থেংনা মণযাম হোইগংলুবদা কাওবনা থেংমল্লি মণ মশিং শুই শুইদে খঙদে হাযহুনা চৈখিরে, ফুবমক্তি ফুবিন্ত্রে। ওম্না মণগ য়ক্লে ফুখিবা, থেংনা মণগা য়ক্লে চৈখিবা অসিদা থোইনু হায়কম তৌকম খঙদহুনা মতোম্রদা মপা কাওবা খঙহন্দনা কপচৈ। মথংগী নুমিত্তদি কাওবনা যুবিপনি কিবদগী থোইনু মযুমদা হনগে খন্দয়ে মণজাবুংদা অহীং লেক্তুনা লৈথোকলে। নুমিংদা য়াইরমদা থোইনুনা মানবি মণযাম খোমল্লিয়ম্না মণপুপ ময়াইদা চৈরে নহোং তিংথোক্তুনা মচিন মৌপা যাক্তাহুনা লৈরে। থোইনুদি তক্লা লাখনা থাওবা ওমলক্লবদা মণজাবুংদা হৌবা গেক্লক খোমপ্রেক হেক্লুনা তয়া চাকহং শিন্দুনা চাম্নগা লাইজ ঈশিং মবুক

থম্না থকচিল্লে। মহুনিংথৌদি ঙাহাক য়াতারুরগা খোম্লাং লাম্লক্লুনা কপলক্লবদা থোইনু, তৌকম খঙলক্লহুনা মোইবাং মাম্নকৈ ওল্লগা মমা কৌহুনা কপ্লকলে। "পলেম ইমা ইবেম্মা, নপাবি নমোম অনিনা অহীং তাংলৌ অথেবদা খুমন যণজাবুংদা চাদ থক্কনা অরা চৈনা খাঙলিবসে পলেম নঙদি উরিরোই, অপোকপী নঙদি তাবিরোইদকো। কেগে মোইরাং লৈবাকপু ঙাক শেনবিরিবা চিংঙু থাংজীং লাইনিংথৌ নঙনা থৌজানবিহুনা ইহুনিংথৌ অসি নোংঙানব্রি ফাওবদদি খোমলেন তুমখুল তানহনবিয়ু" হায়না কপ্পা কপ্পা চবৈ নমখাং ফিজিদা ঈশিং চোৎহল্লগা মৌপ্বাবু পলেমগী খোম্লাং মহুৎ শিন্দুনা পীথকই। মাগী খুবী মচাহু চুপহন্নগা খোমলেন য়াতানবা মশা নান্দুনা শুম্নকই। ইচেমগী ইবুঙো ইহুনিংথৌ অঙাং নাউরা চাউদ্রবা নঙবু পায়মা খোমি কংবনা উনবি চক্ষম তিংলিবা, খোম্লাং ঈখৌ লাংবনা তুমখুল হুনবা য়াম্রিবা, পলেম্না খোম্লাং মায়োক্লবগুম ইচেমগী খুবী চুপতুনা খোমলেন শাংনা য়াতাবো. হুমঃ হুমঃ হায়না থোইনুনা মহুনিংথৌবু শুম্বা হৌরক্লে।

অস্থুম্না থোইনুনা মহুনিংথৌবু নাউথেমহুনা শুম্বসি মানবি যণয়াম মরক্কগী নৌনা মচা পোক্লুনা খোমনৌরিবী মমা কোনুনা খুমন নাক্তা লৈরিবৈদা লুনা চাম্না তৌজবী, যণবীমক ওইরবস্থু নমু তাইবং মীয়োল খঙলবী, লাংঙতোম্বী যণবীনা মপারি চাউদ্রিববু শুমম্লগা মনা অনিহু হাইর হাইরহুনা থোইনুগী নাক্তা চঙশিল্লক্লুনা মমৈনা মচিল মৌপ্বাবু কাং হোইদোকপিররে। হিপলিবা মহুনিংথৌগী নাক্তা যণবীনা চঙশিল্লক্লুনা কুল্লরে। লাংঙতোম্বী যণবীগী খোমজিন্দা খোম্লাং চেম্থুরকপা উবদা থোইনু হরাওনা মহুনিংথৌ পমহুনা পুশিল্লগা পীথকপদা পলেমগী খোম্লাং ওইরবোই নীংহুনা মৌপ্বনা হরাওনা থকচরে। মথুং মচা অহুনা অতোপ্পা খোমজিন পায়হুনা মবুক থম্না থকলগা নাউরা নীংঙাইবা লৈত্তনা খোমলেন তুমখুন তানথ্রে। থোইনু মচিল মৌপ্বানা লাংঙতোম্বী যণবীগী মথাদা চঙশিন্দুনা খোমলেন শাংনা য়াতাজরে। থোইনুনা মিকপ থোরকপদা ইনাং ঙাক্লমলে, মহুনিংথৌসু যণ শানা

কোয়না চৎতুনা লৈবম্লে। অহীং চুপ্পা য়াতারুবা ষণথামস্থু নোংঙাল্লবদা ষণজাবুং থুংনা চৎতুনা চাক্লাখে। মতম অসিদা খুমন ওংবী য়াংবীনা মখুৎতা লোং পাংরহুনা লেমলৈ ঙাতানবা লাকপদা ষণজাবুংগী মতাইদা মতা কে নৎনা পোকচবা মমে ন থোইনু উবদা চঙশিল্লক্লুনা মমোম্নু চেৎনা কোল্লগা কপ্লকলে। "ইমাগী ইমোম ইবেম্মা পম্বোগী রাখোং খাদা হৌবা তাউজিং হৈবাংগুম্বী বোংযাং রাচুম চঙবনা তাউজিং চাউভমল্লবী, নিথম চংবী হৈগুম্মা হৈবাং হৈজিং কাঙমল্লবী ইমোম থোইনু নহাক্লা অহীং চুপ্পা তুমদনা নবুক থম্না চাদ থক্লনা কোরৌ শিংবুম কযানি খুমন নাক্লা লৈহনা নহুনিংথৌবু পাঙল শারেপ কানবা নাউযোক নাউকোনবা ঙমগনি। অরা চৈনাখোল খাঙহুনা কাওবগী মীচৈ তাহুনা ইমোম লৈগদবগী শককপুদি পলেম নমাগী মপামলম কেগে মোইরাং লৈবাক্লা নহুনিংথৌ পুহনা চৎলোগবা লাংলেন। ইমানা মোইরাং তাবা অশম্বা যাংদৌ লম্বী তাকপিগে"। অসি হায়রহুনা থোইনুগী খুজেং পাযহুনা লমলোং অহুম কাংবা তান্না পুরগা মখুৎ খিন্দুনা মোইরাং তাবা অশম্বা লম্বী তাকপিরে। মসিদগী হাওরৈ খা পানা চৎলিবা লম্বীসে খুমন নমা নবেলশিংগী য়েল্লাং কেঙোই লাংনকম চমলৌ যেনখাং হেককম নি মানবী ষণগা লম্বীনি ইমোম চৎলুন্নু। ময়াই থংবদা চৎলিবা য়াংদৌ লম্বী অচৌবা অসিনা নোংযাই নপা নপুশিংগী লোক্লাক হিথাংকমনি, লেমলৈ ঙারম থিকমনি। মহুদগী থরা চৎলগা চিংহাও পোকপী তাবনি। চিংহাও পোকপীদগী রাকলৈ হি তোংহনা চৎলগা মোইরাং লোক্লাক তাবনি। লোক্লাকী ময়াইদা চীং অমা লৈবনি. থাঙ্গ চীং কৌবনি। চীংথক্লা চীংখা হায়বনি, চীংখানা চীংথক কৌবনি। চীংলক্লা খোংলম অমা চেল্লমগনি, মহু কেগে খোরিদাক মোইরাং নোংগাংখোং কৌবনি। খোংহু লাল্লগা খুজং অমা থেংনগনি। পোইরৈ রাংমা তাবনা লেমলৈ ঙাবু লম ওল্লম্বী হায়বগী লমলেন ঙারম কৌবনি। ঙারমদগী থরা চৎলগা তাকমু কংগনি তাকমুদগী ইথিং, ইথিংদগী কেগে শেল্লা ইরাইকোল

য়োগনি। ইরাইকোন্নগী খরা চংলগা কেগে মণগা লম্বী তাগনি মসিগী লম্বীদি ইমোম চংলুগনু খুমন কাওবনা তোয়না চংপা লম্বীনি তাম্নরক্লবদি লাইমা ফংগনি।

মসিদগী অরাং পাংনা চংলিবা লম্বী অসিনা মরুধো ইবুংঙা মোংয়াংঙম্বগী শোই তাগনি। শোই অহু লান্দুনা খরা চংলগা য়াঙ্গোই তুবেল ফংগনি। য়াঙ্গোই তুরেল লান্দুনা নোংচুপ পাংন্না চংলগ থেংনবা খুঙ্গংহু খোইজুমান্নি। খোইজুমান্দগী চংলগা তৌবুল, তৌবুলদগী নাচৌ, নাচৌদগী ঙাইখোং, ঙাইখোংদগী নিংথৌখোং ফংগনি। নিংথৌখোংদগী খরা চংলগা ফুবাল্লা তাগনি, ফুবাল্লাদগী চংলগা মোইরাং মণগা লম্বী তাবনি। মহুগী মনাক্তা কেগে ঙাংখা কৈথেল কাবমগনি, কৈথেন্দা পালেম নমা য়াওবরা য়েংউ। অসুম্না থোইবীনা পুক্নেমেল পাওমেন্নরগা পলেম শকপী যাংবীদি লেমলৈ ঙারম তানবা চংখ। থোইবীনা মহুনিংথৌবু মনঙ্গন্দা পোখংলগা মণয়াম মণঙ্গাবুংদা থনয়গা খুমন ময়ুমদা তরা চাকলেন চাবা লাকই। ঙরাং অহীং কহিগী ইরান্দা হল্লক্ত্রিবনো হায়না কাওবনা অথীবা রাহৈনা চৈ থাংহুনা ফুবিয়ে। থোইবীনা হিক্তা হিক্তা কপ্পতুনা তরা চাকলেন চাগে য়েংলুবনা কাওবনা চাথোকখিহুনা য়ামা লৈরমগ্রে। কাওবনা লেমখা তরা চাকু চারগা লাইজ ঈশিং মবুক থন্না থকচিল্লগা থোইবী মহুনিংথৌ পোরগা লোয়া থোরক্তুনা মমা য়াংবীনা তাকপা য়াংদৌ লম্বী মতুং ইন্না মোইরাং তান্না চেল্লক্লে। মচিল মৌপানা চেল্লিবহু উবদা কাওবগী তাউবা হুইজাওনা খোংহুনা তান্নরকই। মহুনিংথৌগী চানলবা তবা চহুম অহুমখক ফিজিদা কিংখিবহুদগী চহুম অমা লৌখোক্লগা তাউবা হুইগী মমাঙদা থমহুনা "হা তাউবা হুই! ইহুনিংথৌগী তরা চহুম অসি চারগা পেনখিরো, ইচিল ইপানা খুমন থকদোক্তুনা চেনবদা তাউবা নঙনা খোংবিগন, মাহনি খোঙ্গুল লীবিরক্তন," হায়রকপা থোইবীগী য়ারাহু তাবদা নমু তাইবং মীয়োল থওনবা তাউবা হুইজাউহু থারিকা তবা চহুম চাদনা মচিল মৌপাগী নাক্তা মথৈ থাইর হাইরহুনা

চঙশিন্নক্লগা থোক্কনবু নুংশিনা লেকই বে। তাউবা হুইজাউনা মাঙ থাবগা মচিল মৌপাহ্ন মোইরাং তবা য়াদো লম্বী অশ্লবা থিব থিরহুনা লমজিংবিরকলে।

মচিল মৌপানা চেনখিবা ভাহাক লৈবগা তুমলিবা খুমন কাওবদু মিকপ থোরক্লুনা হৌগৎলকপা মচিল মৌপা লৈরমদ্রবদা লাঙ্গোই শগোল তৌংহুনা খুমন মণজবু তাম্না লকলে। মণজাবুংদা মচিল মৌপা লেবমদ্রবদা কেগে চনু ওৎবগী মচা লৈৎমু শঙগনি হায়না লাঙ্গই খুকপ থানা থৌহুনা তাম্নবকল। কাওবা লাকপগী মখোল তবদা মচিল মৌপাগী মমাঙ থনা চেল্লিবা তউবা হুইজাওনা নাবোন্দা থুপ্তুনা চেনহৌগা কওবগী মমাঙ থান লম্বী শেবান্নবা লমজিহুনা চেনখি। তাউবা হুইগী মতু ইন্দুনা চংপা যাবা মখে চংলুবগা থেনদ্রবদা পোপো নাংল বহিবিবদগী কাওব মোবা মবান য়াইদা হনবি। থোইনুনা মহুনি থো পে বগ অবাবা খঙদনা পে থাবা লেতনা তুং হন্না কাওবা লাকপবা যল য়েলহুনা চেল্লকপনা মোংবা-ঙম্বগী শোই লান্দুনা যাংগোই তুরেল খোবন যৌবকপদা কোপো নারল চনখি। যাঙ্গাই তুরেলদি লাইজ্ঞ ঈংহৌবমহুনা তোব্বান পানা চেল্লম্বত্ত উবদা ঈবানবা ঙম্নবোই খল্লবনা বাবহুনা থেইনু মহুনি থো থারগা তুরেল তোর্ব্বন্দা মোইবাং মাযকে ওল্লগা কপ্তুনা লৈবে। য়াঙ্গোই তুরেল তোব্বান্দা থোইনুনা মৌপা পয়রগা তুরেন লনব ঙমদহুনা কপালিবসি নমু তাইবং কনানং খংবি উবিদ্রবসু পামেল থম্বাংগ নমঙানবিবা কেগে পোকপা শোবাবেল চি ঙ মতিক হেল্লবা খোবুম থৌজাল হৈরবা থা জীং কোবরেল লাইনা উবহুনা পামব কৈগী মশক লৌরগা য়াংগোই তুরেল তোর্ব্বান্দা লৈবিব থোইনুগী মনাক্ত ল ক্লুনা মইমনা লৈপাক্তা তুপ তুপ ফুহুনা ঙংলক্লে। পামব কৈগী মশক উবদা য়াওরো শাশক খঙদ্রহুন কিবনা তুজ হনা ‘হা ইমা কৌরগা থোইনুনা লৈমায় থক্তা রাম্ভবিভৈদা পামব কৈনা মচিল মৌপাবু যাংগোই তুরেল লাম্থোকপিবন্নগা মাঙখ্রে। থোইনুনা মিকপ থোবকপদা পামব কৈগু

উদ্রে তুরেন রাংমদা লৈরম্মে। মমশিন্নকপনে থোইনুন শাধীবগা লোয়ননা চেলনা চেন্না লাকপনা খোংজুম ন যৌরে। খোইজুমান্দগী তৌবুল, তৌবুলদগী ঙাইখোং, ঙাইখোংদগী নিংথৌখোং যৌবদা থোইনুন রামনখিবনা লাইজ ঈশিং মখুক থন্না থকচিল্লে। লমলেন নিংথৌ খোংদগী লেপতনা অনুক লাকপনা ফুবাল্লা তা'রে। ফুবাল্লাদগী মোইরাং খণগা লম্বী যৌবদা ইনুং রাখখিহুনা মীচিক মীবাউখোল তাদ্রে, লমজা উদা মী অমা ফাওবা চংপা উপ্রবন্থু খোইনু চংপদি লেপলে।

চহী কুমজা খুদিগী কেগে মোইবাং লৈবাক্কী কুবাক লমদাইবা মতমনি। ঙসি অহৗং অসিদি নমু তাইব মী অমত্তা মোংবা মরান যাই থ দোকপা য়াদে, তেকসী ওকস্থু ওককে নদগী থাদোকনু, মানবি খণস্থু খণগোন্দগী হেন্দোকহনগনু থাংজীং লাইগী শংখেল থিগনি, হে নব অমা কান্নগা চিঙ শংবেল তুগনি হাযনা লোইশঙ মচাশিনা কেগে খুম্থক খুনখা শিনবা থুংনা মোইবাং লৈকোক লৈকাব চিংখদন মপু সনা যাথং পাউ চেল্লি। নিংথৌগী য়াথং কিবদগী নমু তাইব মী অমত্তা মপাল থে ক্লদহুনা কৈথেল লেপ্পা, লম্বীদা মী চংনদবা নুমিং অসিগী মল্লবা অহীং তাংলৌ অথেংবদা থোইনু কপ্পা কপ্পা চেল্লকুনা ঙাংখা কৈথেল যৌরে। ইনুং মনৈ রাযখিবনা চঙফম কংফম খঙদহুনা কৈথেন্দা অহীং লেক্লগা ইনুং রাঙাল্লগা পল্লেম মমাংগী লৈফম থিগে খন্দুনা কৈথেনগী শঙ মনুংদা চঙলগা নহোং থাহুন মহুম থৌ হাও দগোন হিপহল্লে। থোইনুনা কৈথেন্দা তাবা চেং হরাই খুল্লগা তরা চাকহুং শিন্দুনা কংনা শায়বা হৌরকলে। মামা শাযবগী অকুপ্পহু মহুনিংথৌগী ময়াদা ইনবি। অসুম্না চেং হরু ই শাযহুনা চাবদা থৌগানদুনা থক্লবা লাইজ ঈশিং থিরুগে খন্দুনা হৌগৎলকপদা মোইবাং লালোই তবেংনা চিংঙ, শংরেল খিবা লাকপহু অবাপ্পদা খোইনুবু উথ্রে। মখোযনা চঙশিল্লক্কুনা মচিন মৌপাবু ফ বিরে। 'পান্থৌ মানবা ইপাখোয়! ইচিল ইপাদি মোইবাং চনু মচানি। খুমন্দগী চেল্লক্কুনা পলেম ইমা থিবা লাকপনি। নখোযনা নুংশিবিহুনা ইচিল ইপাবু

খ'দোকপিয়, পলেমগী লৈফম তাকপিয়।" খোইনুনা কপ লাউহুনা থাযজবা পুন্বা ল'লোই তবেৎনা থওক্টনা তাবিদে। নোঙানবনা হানবিবা তাম্ব খন্দুন। অঙাং অনিগী মখোং মখুৎ পুল্লগা ময়াদা ফিপুল নমহুনা ঙ্.বা, খ'উনা হানগদবগী লাকনৈ। তৌবিগনু লাইবক শীববা হৈচিল ইপাগী যাওবী কানিস। পম্বৌ মানবা নখোযস্থু নপারি পোনলিবা নমোম শাংলিন, ঙ কুমি হৈচিল ইপাবু নুংশিবিযু হায়না খোইনুমা কপ লাউহুনা হাযৈজে। মতম অসিদা কেগে শাকংহনবা খাযোল হাওবনা তনম অঙ ম শিন্নবা অহম্বী বেন্দা অঙনবদা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা লাকপদা তরাম্প্রদগী নাউরাগী খোঞ্জেলনা "য়াইবী থরায কনবিযু হাযবা মীকপ মীবাউখোল তাবদা লাঙ্গোই শগোল খুকপ থানা খোংক্কুনা নাউরাগী যাইযী থরায লৌবা যারোই। কেগে মচ লমাকপ মোইরা মচ লমচেনব লৈরম্মু খঙদনি, হাওবা শাকংহনম্ব লৈদি কেগে মচা কাউবরা হাযনা লাউবকপা শাকংহনবা অঙম্বগী য়ারা মখোল তাবদা কেগে লালোই তবেংন' মচিল মৌপাবু খাদোক্লম্লগা শমজি খাইহুনা চেংখি। খোযে'ল হাওবনা নাউরা অনিনা লৈরিব। মফম অহু ওান্ন চঙশিল্লক্কুনা লাঙ্গোই শযাং থক্কগী কুমথল্লগা পিকলিবা থোইন, হাওদগে ন অনিগী চেংলৌ মশক উবদা হাওবা খঙহোদনা তু চুই, খম্বে দা। মুশিবগী ঈ হোবক্কুনা মিংলুদা পিবাং শিন্তবকই। মপারি মমোমগী পান্দম ওক্টববা নংশিন্নবা মখোয় অনিবু কোনখৎলগা কেগে কন্নি লৈকায়দগীনো, কোলোয নমিংনা কবি কৌবগে? পলেম পম্বৌ কনাগী মচানো" হংলকই। থোইনুনা হিক্কা হিক্কা কপ্লগা পাম্বৌ মানবা নহাকনু খুমনঙা মোইরাংগী মীরা? নহাক্কী অশেবা খঙলগা নমোমগী বিগৈ শেংজগে" খুম্নক্লে। থোইনুগী য়ান্নাহু তাবদা হাওবা পাযমা উলগোইনং চিংনবগী ঈথক তুংপোম লা লকনে। ইমে ম মানবী নঙবু পাথমা নংদা চিংনগনু। ইপা খুমন নত্তে, কেগে লৈবাক্কা অঙম্ব ঐগী নাক্কা লৈরিবৈঙদা নাউরা নখোয় অনিগী নতু নামা শোকলগদবা খুমন কনাস্থু লৈত, কেগে কনাগীস্থু

মতিক ওইদে। থগৎপনা নিংদোম্ন চোংলবী কিবনা মশা ত্তনিকলবী চাদবনা নাউংশোম্নরবী থোইনু অদু হাওবগী য়াম্নাদু তাবদা অিবা পুম্নমক খুদক্কা মাঙখ্রে। "হা পন্থৌ ম নবা তাবিবু। ঐগী ইমিংনা থোইনু কৌই। ইদুানংথৌগী মমিনা হাওদগোন তাকোন লৌথিবা থোল্লি। ঐখোয়বু পোকপী ইমাদি মোইরাং চনুনি, মমিংনা যাইথিংকোনু কৌই। পন্থৌগী কোমোংনা খোযেন্দ হাওবা কৌই হায়না পলেম ইমানা তাকপি। অদুবু লাইরকথৌবনা ডসি যাওব অপোকপা পন্থৌগী চেংলো মশক উজদ্রে। খুমন ক ওবনা যাইবী লৌগে চন্ন-রকপদা পলেম পান্থৌগী মার খোঙ্গুল লিবা লাকপনি। খোইনুগী য়ারাদু তাবদা হাওবা তু চু ই লরাই লুতোন শালি; মপাবি হাওদগোন মমোম খোইনু, অনিবু মথা নুদা চেংন কোল্লগা মিংলু নাপোম অনিদা ভবুং লাইজ শিন্থহুনা ইপাগী লাংলেন থোইনু পারি ইবুংগো হাওদগোন হায়না ইঙা নোংলেন নোংনা খোনা লাউনা চুবওম হাওবা মখোল থোরা কপ্পকলে। হাওবগী মতৌ উবদা মচিল মৌপাদি চওরহুনা মুন্না য়েংহুনা লৈরে। "খোয়ুম নোংদমখোলন কনখিবনা ইমোম লাংলেন নঙসু ইপাগুম অরা তুবৈ চল্লু তমথরোইদে।। ইপানা নাচল লৌপাবু নরম্বা মতমদা উগদগে রাবমবদি চিংডু থাংজীং লাইনা খোজানবিহুনা ডসিদি পাম্নি ইমোম অনিবু থেংনরে ইপা মংঙাইবে। হৌজিক্কি ইপাগী নাক য়ৌরবনিনা ইচাগী কম্নি রাংকম্নি। রারুনু ইপানা পলেম নমাগী লমজং ওনপিগে" হায়না হাওবনা নুংশিববা মপাম্নি মমোম অনিবু যেংবা ওইগা থরাংননা পল্লগা মশানৌ মনেমমচা য়াইথিংকোনুগী থবাই থোঙ্গাল তান্না ল ক্লে। "নুংবান তোইবী কৈমা নুবা য়াইথিকোনু নঙবু তাবিরা? খুমন পোনজেন নুংদা মখোং য়োংহিলং থাংহুনা লমগী চেক্লাগুম য়োক্লম্বা মতু শোল্লবা চেক্লা মচা অনিখক পাইরক্তুনা কেগে ঙাংখা কৈথেন্দা চাক্তাহুনা লৈরম্মে। চেক্লা কাংদোং ফানবা পোম্বী শরুং থুংনবা য়োকচগে থল্লবদি লৌজগৌরা" লাউক্লে। ইশাবি হাওবগী য়ারা মখোল

তাবদা নুরা য়াইথিংকোন্নুদে। ইকিং ফিংনা খবাই থোঙ্গাল তান্না চেম্থো-ক্লক্রে। মশাবি মমানমচানা যেংকা ওইগা অনিদা খ্রবাংননা পমলিবা মপাবি মমোম অনিবু উবদা লাইবকচাউবী ইবেম্মা চেনশিল্লক্লগা হাওবগী মখোংদা তুশিন্দুনা হিক্লা হিক্লা কপ্লক্রে। নুংশিরবা মপাবি মমোম অনিবু মশাবিগী মপুংফগী লৌথবগা। ঙন্না হন্না চুপ্পুনা মবান-থাইদা পুশিনখি। মিংল নাপোম অনিদা শিন্থবিবা থি উদ্রবা পিবাংবু তৈথোক্লগা খোযোল হাওবা অঙম লাঙ্গাই শাগল তোংহনা মোংবা মশাইকোল পাংখি।

থাইথিকোননা মপাম মোইবাংদা খোঙদংখ্রবস্থ মমোম থোইনু মপাবি হাওদগোন অনিবু থাকচমনগী লাক্লগে খল্লম্বা নাউবা অনিনা লোন্না পনেম মম গী নাক্ল। চেনখ্রবদা খুমন কাওবা হিঙম্বদো শাউনিংবনা তুম্বা চাবা চঙখিদে। তবা চাবা হাওদম খঙদ খোমলেন যাতাবস্থ য়ারক্ত অঙাওবা মীগী মতোগুম মচিন্দা মুকম মুকম শোন্দ্রনা ইমুং মাঙ্গোন থুংনা হঙ্গং হন্দা চংতুনা লৈখ্রে। করম তৌবগা খোযোল হাওববু লমন খুমসিগে খনবদা কাওবা পেথাফম খঙদ্রে। কল্লক মীমাঙ চাং তাবা খুমন মীখ ম মমাঙদা টকাখবা নলবা কাওনদো চাবা থকপা যাখিদ্রে তুম্বা তিপ্প চঙখিদ্রে। খোযোন হাওবা মাবু য়াইবী লৌহনা লমন খুমগে, ঙনদবা থোকালে যাইবী খরাখ খাদোক্লে মপুক্লিংদা চপ যুংনা লেপলে। মনাই মশল ময় ম কৌশিল্লগা ব্র তাংবা হৌরকলে।

কাওবনা লানশিংবা

খুমন কাওবা হিঙম্বা নোংযাই মুজা অন্থবদো ঙব চাকঙল চাবগা শাক্তি লানকি শেংতুনা খুংমু তাদি ত দোমপোক হুবেস লানশিং য়াম্লবা তিমেন তাহ্ন খুমন চেংনা পায়বগা খুমন পাঙ্গনবা তমব নুপা য়াংথৈগা লোযনন। কেগে মোইবাং পাংলকলে। কাওবনা কেগে কংলা উদ্রাশঙ তান্না চঙশিল্লক্লনা মপু মোইবাং নিংথৌগী সনা

খুয়া খাদা খুবাং তরা লোন্না খুরুমজৈ। 'কেগে নিংথৌ ইনিংথৌ, ননাই খুমন কাওবা ঐগা কেগে মোইবা লৈবাক্কী হাওবা শারুংহনবা অঙম্বগা পামব কৈরেনগুম শাথেংনজগে, য়াঙ্গোই শামুগুম য়াথিন্নজগে মপু সনা নোংদম তম্বিযু" হঙ্গংলকলে। খুমন কাওবনা হুয়েল লানশিংবদা লৈবাক্কী অঙম অথৌ পুন্নমক হায়কম তৌফম খঙদনা তুমিন তুমিন লৈনরে, মপু মহাকস্তু রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা মকু লুক্কুনা লৈরে, মফম অদু উন-রাইমুক চিকখ্রে মালং নুংশিং লেপখ্রে। মতমসিদা মপু সনা নাক্তা থৌগল তৌবিবা খোংোগ হাওবা অথৌবদো সনা মাঙদা চোংথোরক্লগা খু লৈদা তাদুনা মপু খুযাদা খুকমজৈ। "ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ! ঙসি খুমন কাওবা হিঙম্বগা নদাইরেম শারুংহনবগা পামব কৈরেনগুম শাথেংনগে য়াঙ্গোই শামুগুম য়াথিননগে সনা য়াথং নিরিবসি শারুংহনবা ঐস্তু পায়মা খেনা পামজৈ। ঙসিমক মপুগী সনা মাঙসিদা তিমেন তা চায়নজগে মপু সনা নোংদম তম্বিয়ু। খুমন মানা ইয়ুম কেগে লৈবাক্তা মখোঙ থোংনা লাক্কুনা। হুয়েল লানশিংলরবশিংনা খুমন মানা পান্না লমজৈ মশিংগী মনুংদা চায়না পুং থোনবিয়ু। খুমন কাওবা হিঙম্বনা তা হান্না হুনবস্তু মপু সনা নোংদমবিয়ু। পুকচেল চাউবা উৎতুনা মপু খুয়া খাদা হঙ্গংলকপা হাওবগী মথৌনা কবা য়ারাদু তাবদা কাওবা ঙকপদা থেংথ্রবোই, হাওবা মাবু শংত্রিক য়েংতুনা লৈরে অঙম অথৌশিংস্তু য়ারা মচেৎ অমত্তা ঙাঙনখিদে। মপু মোইরাং নিংথৌনা মায়থোং লুক্কা ঙাহাক রাখল তৌরগা খুমন কাওবা হিঙম্বা অথৌবা! নহাক্তা নখোঙ থোংনা লাক্কুনা কংলাদা হুয়েল লানশিংলরবনিনা অঙম অথৌশিংগা রাতান্নখিগে। রাংলেন ঙাইহাক মালং ঈচিক থেম্না অরা পোথারুখো। মপুগী য়াথং ফংলবদা কাওবা কেগে কংলাদগী থোকথ্রগা মনাইশিংগা রাতান্নত্নুনা লৈখি। খুমন কাওবগী মতিক খঙবা লানকমদা মায়থীরবস্তু শিবা নাইদবা কাওবগা মদাইরেম হাওবগা শামা মায়োক্ল-বদা মপাঙ্গল শারেপ ফাত্রিবা হাওবগী য়াইবী মাঙগত্রা পায়মা নুংদা

চিংনবিবত্তু কোক্লবা কেগে লৈবাক্কী অঙম অথৌ কম্নাইবশিংগা তান্নবগা চিংঙ্ থাংজৌং লাইগী খোযুম মপাউখোল লৌরসি লেপ্লে। কম্নাইবা অমা চৎখিন্নবা চিংঙ্ থূবা খাদা সনা কোনয়াই লূপা কোনয়াই চনত্তুনা তেরাং লৈরাং কংতুনা চকপা লমলাং মাইবী খোমলেন মঙজং পানবীনা চিংঙ্ মপাউ লৌরক্লে। চিংঙ্ মাগী মপাউখোল খোযুম মগী মযাথং ফংলবদা লোইশঙ মসা থাদুনা তযুম নাইবু ওইবা থাইব মীমাং থোকহন্দবা চিংঙ্ লাইব নীংবা নোংবান শাব্রাববু সনা নাক্লা কৌগংলে। "তযুম নোংবান শাব্রাবা! ঙসি কোরৌ মখুমিংতা খুমন কাওবা হিঙবা নোংযাই সুজা অথৌবনা খুমনগী অকন অথৌ কযা পুবগা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা হুয়েন লানশিংলরে। কাওবা অথৌবা মানাশম পাঙ্গল শাবপ ফাদ্রিবা থোয়োন হাওবগা শামব কৈরেনগুম শাথেংনগে, য়াঙ্গাই শামুগুম যাখিন্নগে হায়না নিখৌ ঐংঙান্দা নিরুরে। তযুম নোংবান নহাক্লা নখুৎসু লিরুং তেন্দোং পায়ত্তুনা নোংয়াই সুজা অথৌবগা হুযেন লানথেংনৌ অঙম্বা নতিক নথৌনা উৎতুনা কাওবা যাইবী লৌ হায়না সনা যাথং পীব্র-ক্লবদা নোংবান শাবাবনা মপু সনা য়াথংবু চবৈ ফিগাউ শানা য়াজখি। নিংথৌনা মনাই থাদুনা কাওববু কলাদা কৌশিল্লগা কেগে লৈবাক্কী কম্নাইবা নিংথৌগী য়েংথা ওইখিবা হাওবা শারুংহনবগা হুয়েল লাম্থেংনদ্রিঙৈ কেগে নোংবান শাব্রাবগা হান্না লানথেংনৌ নোংবান শাবাববু মায়থিবা পিবা ঙম্নবদি ইদাইবেম হাওবা শারুংহনবগা শামা মায়োক্লনা হুয়েল লাম্থেংনবা য়াগনি মপু য়াথং পিরকলে। নিংথৌগী য়াথং তুংওইনবা ঙমদত্তুনা খুমন কাওবা অথৌবদো অশাউ মৈচাক নুংদা ফুম অথোই নাপল কানা শাবেং পালবু তিংলকলে। কোরৌ মানা ব্রাংলিঙৈ মালম লৈনা মমদ্রিঙৈ নোংবান শাব্রাবা মহাক্লা খোযোন হাওবা শারুংহনবগা অনিগী য়াইবী থরায় লৌরগা ইযুম খুমন পুংদা হনগে খুমন পোকপা ইবুধৌনা পলেপমবিয়ু হায়না মখুৎসু তিমেন তাগী তাজিন চিক্লা শরি পন্দোল লোক্লক্লে।

কাওবগী রাশক তাবদা কেগে কংলাদা তিল্লিবা অঙম অথৌ কম্মাইবা পুম্নমক অকি তুজুংন্দূনা রাখল নুংবংননা লৈনখি।

খুমন কাওবা হিঙম্বা নোংয়াই সুজা অথৌবনা খুদাং য়াইচৌ শিরগা খুবোম য়াইরি সোন্দূনা অঙাংবা চবৈ কৈয়্রালকি অপা চীং-খোং লানহৌকি শংদিং লানকি খাওননা তুয়েন লানবু লানঙম্বা তিমেন তাদি তাদোমপোক খুতুম চেংনা পাযদুনা কেগে কংলা উত্রা শামাঙদা নোংবান শাবাবগা তুযেন লাম্ভে নগদবগী মমায় অরাং পাংনা লেপ্তুনা লৈরে। নোংবান শারাবা চিংঙু লাইবু নীবমু শাকি লানকি শেংলগা মখুংস্রু লিরু েোন্দাম্বা ওইদা পায চিংঙু লাইনা পীবা লাংগোম ংলদু তেনদোদা ভাঙ্গগা শামু নমদা পোদুনা মমায় মখা ওন্দুনা খুমন অথৌবগা মাংখোয়না লেপ্তুনা লৈরে। মপাঙ্গল য়েংই নোপ্তবা মথৌনা য়েংই রাংতবা য়াইবী থাগে মনীং নাগে মখা তমলিবা খুমন কাওবা পাঙ্গনবগা শামা মাযোক্লনা তুয়েন লাম্হেংনবদা মপাঙ্গল মথৌনাস্রু লৈতবা নোংবান শারাবনা মশাদা অকি তুজুংবা লৈতনা চোংথোবকলিবসি মপাঙ্গল নথৌনানা লাম্হেংনপদবা নত্তেদো। লোইদাম থাশিং শুদনা পোকপা পলেম পিনাইদবা পম্ভৌ পানাইদবা নুপানি নুপীনি শকনাইদবা চিংঙু লাইবু নীংবা নোংবান শারাবনি। মোমনু নুজাগী চেংসৌ শক্তম মানবা রাঙাং রাতানা চনু নিঙোল গুম্বী চবৈ ফিজোলনা তমব নুপাগী ফিজেৎ লৈতেংবা নুপানি নুপীনি শকনাইদবা মাগা শামা মায়োক্লবদা অকনবগী মপাঙ্গল মথৌনা ময়েং তাবা অথৌবগী তৌবা ওম্বা মতিক ময়াই চম্বা চিংঙু লাইগী থৌজাল কংবা শারাবদু উবদা খুমন কাওবনা উশিং থওইদবা মীনোক্লা খাক্লা খাক্লা নোক্লুনা তায় নোংবান শারাবা নথুংস্রু লিরুং পায়দুনা তেলমৈ লাক্লা রাইরা তেলবু তেনদমজো খুমন থাঙলেন ইখুংস্নুনা তেনজিল য়ৈথেকপিগে হায়রকলে। খুমন কাওবগী উশিং থওইদবা রাঙ্গুদু তাবদা নোংবান শারাবনা মোমোন নোক্লগা শারাবা ইতিক খঙজো য়াইবী নথরায় লোগে হায়না খুহুম চেংনা পায়রিবা লিরুং

মখুংস্তু লাংগোম তেন্দু তেঙ্গা খোংলগা লাকা তেলমৈ লাক্লা কাপলকলে। তেনৈস্নদা মৈরি হৌনা মালং মুংশিং মঙওইননা পাইরকলিবা লাংগোম তেলদু উবদা খুমন কাওবনা নাকন্দা য়াল্লিবা পাঙলেন মখুংস্তুনা তেনজিন কক্কদবগী থ ঙলেন নোংথাং কুপ্পা হাইবকলে। চিংঙু খৌজাল ফংবা লাংগোম তেন্দু কাওবগী অচম্বা থাঙলেন্না ককপা ঙমদহুনা অঙম্বগী থবাক মতা ফবগা তেলজিন থুম্না পানবদা খুমন অকনবদা তুংদা খোঙচম হল্লগা মালেম থক্তা লোংনা হাইথখ্রে। তেনজিন্দগী চেম্বরকপা ঈবম্ম ঈঙাং পাকতক্লা ঈমু পামফেন্না তেলগী চেনাখেলনা মালেম থক্কা থবো কাংক্রুম ওনবগুম ওন্না থোইনা খালমগা খুমন কাওবা হিঙম্বা য়াইবী মথন্নায় থারে। মতু উবদা মীপাইরম্বা কেগে মীয়ামদো নিংশা চনিং তানা হোন্দুনা হবাও নুংঙাই ঘাকা তম্না লাউনবকলে। খুমন পাঙ্গনবশিংনা চঙলক্লুনা কাওবগী মথবাক্কা যুংলিবা লাংগোম তেলদু শংকে হোংনবদা শংপা ঙমদ্রে। য়াইবী মথন্নায় য়াওদ্রবা চংবী লক্লু মতুপকুম্বা কাওবগী হকচাংদা চরৈ খিঙৌ কুপ্তুনা ন্নাগী দোলায় থক্তা হাপ্তুনা তমব নুপা য়াংখৈদু অরা মায়থেং লুকক্লা কাওবা মনু পুবগা নোংয়াই খুমন লৈবাক পাংখি। খুমন কাওবনা খাঙু থক্লা য়াইবী মাঙবনগী পাউ তাবদা মশাবি মমানমচা কাওবগীদমক্তা ইপাই কোরি কানা ন্নাজাবিবী মামনু লাইবকচাউবী যাইথিংকোননা মপারি মমোম অনিবু মথাদা চংনা কোএগ মিংলু তরং ঈরাহো চিংঙু থাংজাং লাইবু খুরুমজে। মপু মোইবাং নিংথৌগী সনা য় থং তু ইন্না খোয়োন খাওবা শাকুংহনবা নুংবা য়াইথিংকোনু শাবি শানৌ অনিদো অপাম নংংশি ন্নাবথুংনবা মপাবি মমোম মাউয়োক নাউকোন্দুনা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা নুংঙাই খাইবী মন্নাং কায়না পানখি।

অকোংজাম্বা—ফৌওইবী

অকোংজাম্বা পোকপা

শাইওনগী ৱারীশিংবু মথং মনাও নাইনা লৌহিবা রাইনুংলবা কদনবনা মশানৌ মনেম্নচা মেরী থৌদনবীগী মফমদা কাংলা থৌ পুরিংলাই তুশেন্বগী সনা মহাক থক্লা নুংশি শাইওন খোঙদামিংবা কেগে অকোংজাম্বগা নুরা অথোইবী ফৌওইবীগা শাবি শানৌ অনিগী অপাম নুংশি ৱাবীবু মথা তানা লৌবকই। নোংমা চিংঙু নোংপোক অপানবনা নমু তাইবং মীগী মীশক লৌরগা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা লাকপদা লম্বীদা মশক মতৌ যজবী চুং-খিরান চারবী শণ্ডাই অমোম হাতম ফারবী অমা থেংনরম্মী। মমিং-মিংতা নুংশিরবী শণ্ডাই অমোমদু নোংপোক অপানবনা লেপ্তুনা য়েংলকপদা শণ্ডাই অমোমদু কিহুনা চেল্লে। মাঙদা চেল্লিবা শণ্ডাই অমোমদু ফাবগা নঙনা ঐবু উরগা চেল্লিবা কবিগীনো হংলকপদা শণ্ডাই অমোম্না ঐবু হাংপিগদ্রা চিংনহুনা চেনবনি খুম্লকই। ঐদি য়াওরৌ শাদানবা নত্তে, নহাকপু উবদা পায়মা খোয়জংনা ত্তিল্লাং খোয়দাহুনা য়েংবনি হায়রকপা। নোংপোক অপানবগী য়ারাহু তাবদা শণ্ডাই অমোমদু কিবা ফরে। শণ্ডাই অমোম্না ইবুঙো নঙবু নমু তাইবং মীবা খোয়ুম লাইরা অশেঙবা হায়বিযু হায়রকলে। নোংপোক অপানবনা নমথক তৌহুনা খুম্লকই, ঐদি খোযুম লাই নত্তে, কেগে মোইরাং লৈবাক্কী ফম্নাইবনি। নহাক্কী মাঙনবা কবিস্তু তৌবোই ঐবু কিগন্নু। নহাল মুক্কী মপোক্তা নহাক নমু তাইবং মী ওইনা পোক্লুনা ঐগী তালোয়শীংদা চল্লম্মী অহুনা নহাক ঙসিদগী ঐগী তালোয় শীংদা চল্লো মতিক মথৌনা লৈবা নপারি অমা পীবিগে হায়না থেমহুনা নৌহুনা নোংপোক অপানবনা শণ্ডাই অমোমদু থৌজানবিরম্লগা ইবুঙো মাদি খঙহৌদনা মাঙে লকখ্রে। মবুঙোনা মফম খঙদনা মাঙখ্রবদা শণ্ডাই অমোমদু রাখলনা নুংবংনহুনা লৈহৌই।

নোংপোক অপানবা থৌজান্দগী তাউট্রিজি মকতুনখিবা খোইজি মিজুল লাংহিব শঙাই অমোমদু লোইদাম খান্নম তবা মপুং ফাবদুনা নপাম্মি অমা ফজরে। নমু তাইব মীগী মীশক ওইনা পোকচবা ন্যুশিংবা মপা বি অদু উবগা শঙাই অমোমদু হাযকম তৌফম খঙদদুনা কপ্পুনা লৈরে চাগনি থক্নি খন্দরে। শঙাই অমোমগী অরাবা মঙাইদু উবদা নোংপোক অপানবনা খঙহৌদনা লক্লুনা শঙাইগী মমাঙদা লেপখিবরে। মরুভগী চেনৌ মশক উবদা রাজববী শঙাই অমোম্না মরুভবু চিনদোলগা মিংলু নাপাম অনিদা তবং লাইজ শিন্দুনা হিরা হিক্লা কপ্পুনা লৈখি। শঙাই অমোমগী অরাবদু উবদা নোংপোক অপানবনা কপকন, থেমজিল্লি। শঙাই অমোম্না মশাবিবু চংনা যেংলগা হে নমু তাইব ইবুঙো, নহাক্না পীবিব নপারি অসি নমু তাইবং মীগী মীশক ওইববনিনা শঙাই লক্লা তিন্দবা য়ারবোই। শঙাইগী মপোক্লা পোল্লবী ঐনা নপাদি অসিবু করম্না চাউনবা যোক থাক্কদৌরিবনো হংজরকই। "হে তালে যনু শিববী নপুক্লিংদা চিংনগন্নু নপারি অসি খাঙুথন্না মাঙবা য়াবাই, কেগে নিংথৌগী অচানবা লৈবাক্কী ফমনাইব ওইদুনা কেগে লৈবাক শীনবা থুংনা কোলোয মিংচৎ লৈগদবা নপারিনি হাযবকপা মশাবিগী যাব্রাদু তাবদা শঙাই অমোদু মথরায় নুংঙাইজে। 'নমু তাইবং ইবুঙো নহাক্কি নখোঙ য়াম্বনি ঐগী নাক্লা লেঙদনা লৈবিগদবা নত্তবনিনা ঙসি লাকপিরিঙৈদা নপারিগী কোলোয মিংলেন খোনবিদুনা নপাবিবু পাঙ্গল শারেপ ফানবা নাউয়োকপিযু" হাযজারে। "হে শঙাই নুংশিবী! নঙগা ঐগা ইহান হান্না উন্নখিবা নুমিংতা নহাক্না কিদুনা ঐবু রাকোংবগুম যেংবদগী ফংজবা নপারিনি খঙনবা নপারিগী কোলোয় মিংলেনদি অকোংজাম্বা খোল্লসি" হাযনা মপাবিগী মিংলেনবু নোংপোক অপানবনা খোনবিরে। ইপারিনা নাউব্রা ওইরিঙৈ তাইবং মীবোল খোক্লিঙৈ কেগে কনা খঙদ্রিঙৈ মোইরাং কনানসু উজ্রিঙৈ মতমসিদা ঐ পুরগে, নহাক ঙসিদগী হৌনা নপাবিগী মার খোঙ্গুল লীবক্কনু হায়না শঙাই অমোমদা

চেকশিন্না পুকমেন পাওমেন্নখি। নোংপোক অপানবনা মপাবি অকোং-জাম্ববু পুন্থনা লান্নগা মপাবি মমোম অমত্তা মনিংত উবা ফংজন্নবা কেগে ডাংলৌ লৈকাযদা লৈবা অহনগী মদম ওইবব শৌনিখৌ খারেকপদা অকোংজাম্ববু নপাবি শক্লা নাউযোক নাউকে নজ'রা শিন্নবম্নগা নোংপোক অপানবা চংখি। কেগে খাবেকপনা মশানৌ মনেম্মচা থবোইনদা শিন্নহন অকোজাম্বৰু মবুকথাক্কী মপাবিগুম নুংশিনা চান্না নউযোক নউকন্দুনা মপাবি কানদোক খংকল যণজন যণডাক উন্নজ'র।

ফৌওহবী পোকপা

কেগে পোকপা শোরাবন্ন মোইরাং পোকপা কানাবেল চিঙ থাংজীং লাইনা কেগ মোইরাং লৈব কসি চাকহোং ডাহোনা অরা-অপা অমত্তা লৈতনা নুঙাই যাইবী মরাং কায়না পান্নবা লোইমাম ফৌওহবী লাইবেম্বীবু নমু তাইব' মীওইনা শাইওনহন্নগা নোংপোক অপানবগী মপান্নি অকোজাম্বগা অপাম নুংশি খোঙদাননা লৈমিন-নহনগে খোযুম পাযমা উন্নগোইনংদা খল্লক্লে। চিংঙ থাংজীংনা লোই-মোম ফৌওইবী লাইবেম্বীবু কৌবগা থাংজীং ঐগী ইশাইকোন্দা নমু তাইবং মীওইনা লাইওল্লগা চহী কুমজা খরা লৈযু থেমবদা লোইমোম ফৌওইবীসু যাবে। চিংঙ থাংজীংগী ময়াথং তুংইন্না মপাবি মমোম পোক্কবা লংমাই কুমপা নাউশাবগী মমোম ওইনা শাইওল্লগে পাযমা নুংদা খল্লহুন। লোইমাম ফৌওইবী লাইবেম্বীনা অহীং তাংলৌ অথেং-বদা কুমপা নাউশাবগী ইংখোল কোইদিং মরক্তা নাউরাগী শক্লম লৌরগা হংঙা মাকপ তল্লক্লে। মতম অসিদা কুমপা নাউশাবগী তালোব নাউশাবীগী খোমলেন মঙলানচান্দা চিংঙ থাংজীং লাইনা ঙসি কোবৌ নোংদা খোযুম লাইনবানা শাইওনবী নমোম অমা ফংজরো নমোমহু তবা চাকমাং পীজগন চবৈ ফিমন শেংহনগন কোলোযনা ফৌওইবী মিংখোল্লু হাযনা মঙফাওনবি.র। লংমাই নাউশাবীনা খোমলেন মিকপ

থোবকপদা মপান্দা নাউরাগী হংঙা মীকপখোল তাবদা ঙক্কুনা থোংজিনাতে কাংলগা মপান্দা থোরক্লে। ইঙ্খোলগী মতাইদা হৌবা ফোইদিং চবোং মবক্তা নাউরাগী মীকপখোস তাবিবহু চংতুনা য়েংবদা নাউরা অমা লৈরম্বহু উবদা হবাওনা মথাদা চেংন' কোল্লগা মরানন্ংদা পুশিল্লি। নুংশিরবী মমে'ম অহু মতম্পাক্তা পম্বদা খোমি কংলবীং নাউশাবীহু খোযুম মথোজান্দগী নৌন। খোম্রাং ঈহৌরক্কুনা তবা খোম্লাং মায়োক্লুনা মমোম শক্লা নাউযোকখি। চিংঙ্থা জীংগী মযাথং তুংইন্না তবা চাকমাং পীজদা চয়ৈ ফিমন শেংহন্দনা নুংশিন' মমামবু নাউযোক নাউকোনজখি। ফোইদিং চবোং মবক্কগী ফংজবী মমোমগী কোলোয়বু ফোইদিং ন্বা অথোইবী ফৌওইবী মি'থোল্লে।

শাইওনগী রারীবু মপুক্লিং চঙনা তাজবিবী রাইনু মোরী থৌদনবীনা মশাবি পোংবহনবা কদনববু যেংলগা, "শাবি ইবুঙো ঙাইবিখো রারী মথা তাবিখিগন্, নশানৌগী পুক্লি দা চিংনরিবা রাকম অসি হান্না কে কহনবিখো হাযজরকই। তাইবং মালেমবু নৈশেম্বা মপুগী মযাথং তু ইন্না লোইমোম ফৌওইবী ল ইরেম্বীনা খোযনৌ মতা তকক্কা লোযননা মালেম শিনবা থুংনা চংতুনা তাইবং মীদ' নত্তনা শা উচেক পূম্নমক্লা চাহুনা হিংনব মুন্না চ'বা যাবা মরম চ'মা, শংনা চাবা মবম চাম' রাংতনবা শিল্লবী লোইমোম ফৌওইবী লাইবেম্বীনা মতা তকক থাদোকলয়্গা মতৌ কবক্লা কে'গ মোইরা' নৈবাক্তা লাক্কুনা নৈববিবনো"? মশানৌ মনেম্মচাগী পায়মা ন্'দা চিংনরিবা রাফমহু কোক্লবা লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বীনা কে'গ মোইবাং নৈবাক্তা লাকপগী হৌখিবা থৌদোক রারী কযাবু রাইন্, লাবা কদনবনা লীবিরকই। তাইবংপানগী মপুবেল লাইম্নিংথো অতিবা শিদবনা কংলৈ পুংময়োলসি রাঙম লৈচাউহনগে পোইবৈ খুনজাউহনগে চাকহো। ঙাক্তেংনা অরাং অপা লৈতনা পানহনগে খোমুম পারমা উলগোইন্ংদা খল্লহুনা লোইমোম ফৌওইবী, হাইন্ লৈমা হ ইম্নিংনবী, চিংন্ লৈমা চিংমিংনবী, লেমলৈ ঙাক ঙাওইবী, লোইন্ লুমওইবী (নিংঙোল ন্বাম্বী),

ভোইবী কোনম্বিংনবী ১স্পুং কোলাং লাইরেম্বী তরেৎতা থোদাহুনা পোইরৈ কংলৈ পুংমযোল্দা থুম্বোরকলে। লাইরেম্বী মখোয় তরেৎনা পোইরৈ শিনবা থুংনা চৎতুনা অরাৎ অপা। নৈতনবা য়েংশিল্লবদা পোইরৈ থুনজাউ নৈচাউনা চাকহোং ভাহোংনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কাথনা পাল্লে। খোয়ুম মথোদাং পাংথোক্নুনা চহী কুমজা কুমশিং কয়া লৈরক্লবদা নোংমদি লাইরেম্বী খোযনৌ মতা তবেৎনা পোইরৈ মৈত্রবাক থাদোক্লুনা থোংনাং ময়াংলমদা খোঙশান্নবা লমংলেন লোইজিংদা লোম্না রাতান্নবহু মাথকৈ শেন্নবা লমলৈমশিংনা তারহুনা কৌরু, রাংব্রন মারজিং থাংজীং লাই মরিদা পাউদমলে। লাইরেম্বী মখোয় তরুংনা চৎথরবদি পোইরৈ কংলৈ পুংমযোল অসি লৈত লাযব নংহুনা অরা অনা মাথোক্লা অশি অনা য়াউহুনা মীকপ মীবাউথোল তাগনি খন্ন-বহুনা মাথকৈ ভাকপা লাইয়াম্না তান্নবগা মান। মনা পুরিবা মাংকৈ শানবা থুংনা লাইযাম্না ভাক শেল্লম্মী। লোইমোম ফৌওইবানা খোয়নৌ মতা তরুক্কা লোযননা পোইরৈ কংলৈ পুমযোল থাদোক্লুবগী কৌরু মায়কৈ পাংলক্লবা কৌক্রনা ঈবৈ তুবেলগী লাইজ ঈচেলহু থি গংতুনা থম্বদগী তোব্বান চাংজৌ পানা চেল্লবদা অচেংবা ঈপাক ওইনা উবে। লাইজ ঈরেল ঈপাক্কা অকিবা লৈতনা কুমথবগা খোয়নৌ মতা তরুক্কি ঈবোযহুনা ঈবাল্লে। ফৌওইবীদি ঈবানবা ঙমদহুনা কক্সান্দা লেপ্তুনা লৈরে। লাইবেম্বী মতা তকল্লা চৎথবগা লোইমোম ফৌওইবীদি ঈবানবা ঙমদহুনা ফৈয়েংদা নুমিৎ নিনি ফাযহুনা লৈবল্লগা হাওরৈ খা পাংনা হি তোংহুনা লাকপনা লমলেন খোম্বীতোক য়োবে। খোম্বীতোক্কুগী অমুক লাকপনা লমলেন লমলো গৈ যৌরকপদা লুরাং খাবৈ যুঙৈজাম্বা লায়ববনা লৌফমদা ফকলাং চবাই তিংথোক্লুনা মতোমদা লৌ ষৈবহু উবদা নুংশিবিরহুনা ফৌগৈ থন্না ফৌয়াম হাপপিগে খল্লহুনা লৈবুং শানা পৈবিবা ফৌবোমগী মনুংদা ফৌওইবীনা লোম্না চঙলগা পোত্থাহুনা লৈখি। লুরাং খাবৈ যুঙৈজাম্বনা মনা পানবা থুম্মোক অনিদা ফৌ পিক পিক থন্না পেক্লগা রানা পোাংপু লোনুনা

লোংখোংনবা পুবপা মাগী ফৌংগদা হৈজিল্লি। অসুম্না লৈবুং শানা পৈশ্লিবা ফৌরামদু হোনবদা ময়েং তাবা ঙমদ্রে। নুমিৎনা তাশিল্লকপনে থুংম্বাক্কী মনান। তৎশিল্লকপনে, লেপ্তুনা হোল্লকপন্থী ৱাবনা শাদো থোংলবা লুবাং যুডৈজাম্বদু অশাউবনা লুতোংম কাখিন্নুনা অতেকপা পোৎপুনা হোনবগী লোইবা নাইদে করম্বা ফৌবোমনে। হায়না ফৌ-বোমগী মথক্তা ফুবদা মনুংদা পোংখাত্নুনা লৈরিবী ফৌওইবী লাইরেম্বীদু লেবা য়াদন্নুনা থোরকলে। ফৌওইবী উবগা লুরাং যুডৈজাম্বনা ইমা ইবেম্মা নচাগী ইরাল ঙাকপিয়ু হায়না খুকমজববদা ফৌওইবীন। মোমোন নোক্লগা লুরাং যুডৈজাম্বা! নহাক্কা চপ্পী খুদিংগী নোম্বদা লাযববা কোকপা মেদবন্নুদা কুমসিদি নুংঙাইহল্লগে খন্দুনা ইমান। নহাক্কী ফৌবোম মনুংদা লো তুনা লৈবনি। নঙনা তাএবনিনা ঐ লৈবা যাগ্রে চৎলগে হায-বম্লগা লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বী কেগে মোইরাং পাংখি। লোইমোম ফৌওইবীনা লাকপা উবদা থাজাংগা রাংগ্রেনগা অনিগা বাতাম্নবগা মানা লাকপা মাথৈকেদা চাঙ্গৌ মপা নাইদবা ঈশিংগী ঈপাক ওইহল্লে। পাক্লবা ঈশিং ঈপাক অদু উবগা ফৌওইবীনা ঈবানবা ঙমদন্নুনা লৈবিডৈদা রাংগ্রেম্না শজি লোনম্বী ওন্দুনা ঈশিং ঈপাক্তা কুম্লগা ফৌওইবীগী মমাঙদা তুবং তুবং চৎলি। ফৌওইবীনা শজিদা ঈশিং ঈপাক অসি কযা লুবগে হংলক্লবদা মরো চাউবী শজিনা অথেনবা ঈশিংদনা থুক খুদক কুম্লগা মবেপ হুয়া রানা চৎলি। অদুগা অকবা ঈশিংদনা মশা তাউবগা ঈরোইন্নুনা চংলি। মদু উবদা ফৌওইবী ঈরানবা কিবন্নুনা কোঙ্গংনা হি ওই, কৌম্রাংকোন কৌবা নাপিনা নৌ ওই, চেক্লা শেম্বাংন হিনাও শাবগা ঈপাক্তা হোন্দুনা ঈবাল্লকপদা ঈযাই যৌবদা থংজীংনা নোংলৈ নুংশিং ওইনা হুম্নকপদা। হি চেপ্তুনা ফৌওইবী ঈশিং মনুংদা ঈরাক্ল র। মদুউবদা নাউশেক্লা কংফাল্নগী চেনশিল্লক্লবদা নাউশেক্কী মথা কোল্লগা ফৌওইবীনা কংফাল্দা কাখৎলি। কংফাল যৌববদা ফৌওইবীনা হবাওন্নুনা নাউশেক যেংলগা "হা ইতা নাউশেক! মহাক্লা ঐগী থরায় কনবিবগী ঙসিদগী

নহাক্না ঐগা ইতা শান্নববনি। নহাক্কী নথাদা কোল্লি খঙনববা নথাহ্ন নতম পূম্নমক্তা শাবা ওইসনু" হায়খি। খোয়নৌ লাইরেম্বী মতা তরুক্না পোইরৈ কংলৈ পুংময়োল থাদোক্লুনা চংখ্রবসু ফৌওইবীদি মৈত্রবাক্তা লেঙদনা লৈহৌবে।

অকোংজাম্বা মুম্বানবা

কেগে অকোংজাম্বনা পাখং শারেপ যারকপদা মাবু যোকপি থাকপিবিবা মপা খাবেকপদি মনুং মতম চাদনা কোবৌ নে ঙানখি। নোংমা অকোংজাম্বগী খোমলেন মঙলানচান্দা নোংপোক অপানবা লাক্লুনা "পান্নি ইবুঙো অকোংজাম্বা, নহাক পাখং শাবেপ ফারকলে, তালোয় তুয়িল তম্বা মতম ওইবে। হয়েং ইনুং ঙানবগা নহাক্না তোরবুংদা য়াওরৌ শাদানবা চংপদা অহানবা খেংনবী নুপী অমা ফারগা তালোয় তুয়িন তম্মু য়ুমলেপ চাবা ওইনৌ" হায়রবে। খোমলেন মঙলানচান্দা তাকপিরম্বা মপাগী য়াথংবু পুবগা অযুক্কী য়েন্দা অঙনবদা অকোংজাম্বনা লমলেন তে রবুং তান্না যাওবৌ শাদানবা খোঙশান্নকলে। তোরবুংগী নোংপোক থংবা লম্পাক্কী চিদাইদা মশক মতৌ ফজববী চনু নিঙেল অমা লাঙ্গোই শংগোল শেন্দুনা লৈরম্মী। নুরাগী মনাক তান্না চঙশিন্নরুগা কেগে অকোংজাম্বনা "হা ইবেম্মা নহাকপু লমলেন কেদা লৈবগে হংবদা ঐনা লৈবা লমগী মমিং খঙে খুম্নকই। কোংলায় নমিংনা কন্নি কৌবগে পলেম পম্হৌ কনাগী মমোমনো হংবদসু ঐগী ইমিং থোন্দে. পলেম পম্হৌগী মমিংসু খঙদে হায়না শাউরংনন। খুম্নগা মায় ওন্দুনা চংখ্রবদা অকোংজাম্বনা থংতুনা খামই। ঙসাই মবৈ মক লুক্কুনা মমায় হাইগংতন। লৈরম্মা নুরাদো মাবু খাম্বদা শাউহুনা তেম্পাক লৈতুম ফরুগা অকোংজাম্বদা খাগ-দবগী মমায় হাইগংলকপদা মশক মতৌ ফজবা নুরা পাখং অনিদো উনবদা মিংকা মিংকা মিংচান্নরে মিংফন তোংদনা মমিং কুপতনা য়েংনরে, শাউরম্বী নুরানো মখুত্তা পায়ব তেম্পাক লৈতুম মালেম থক্তা

তাখিবা খঙখিদে। মশক মতৌ চঙখোনবী নুরাগী নাক্তা চঙশিল্লগা অকোংজাম্বনা মোমোন নোক্নুনা পাযমা খোয়জংবা য়ারানা থেমজুনা নুরাগী পায়মা পূক্লিং নুংঙনতনখি। হা ইবেম্মা শকহেনবী নহাকপু পাযমা খোযশাউগনু তিল্লাং খোয়দাখো। নুবা নঙবু নুংশিজুনা কোলোয মিংলেন হংবনি। নুরাগী মথুৎনা কোইথুনা লাঙ্গোই শগোলদা পীজরিবা নাপি অসিগী মমি দি খঙব্রা হংলক্লবদা নাপি অসিগী মমিংবুদি পোইদিং তি থো কৌই হায়না হল্লাও হবাওনা খুম-জবক্কই। অদুদি ইবেম্মা নঙবু পোকপা পলেম পম্বৌনা কোলোয় মিংলেন খোজ্রবনিনা ঙসি এনা নুবাগী কোলোয় খোনবিগে পূক্লিং চঙনা তারো। পোইদিং তিংথো মরক্তা লৈবম্বী পায়মা খোয়রাং, খোয়-শাউগনবী ইবেম্মা, নঙগী মিংলেন্দি পোইদিংজম চনু পায়মা লিংজেল খাবী কৌরসি হায়রনলে। অকোংজাম্বনা খোনবিবা মিংলেনদু তাবদা পায়মা খোয়দারুরবোই নুরা মাদি হবাওজুনা নোকচরে। নুবা নঙবু উবদা পায়মা খোয়জংলে তিল্লাং খোয়দারে। ঙসি কোরৌ নুমিৎতগী পাথং এগী তালোয় শীংদা চল্লগে লুমলেন লাদা য়েক্লগে হায়রক্লবদা ইকাযখিবী নুরাদো হোয় মায় পাউখুম পীদনা মক্ক লুক্কুনা লৈখ্রে। নুরাগী য়ানিবা মঙ মতৌদু উবদা কেগে অকোংজাম্বনা নুরা মাবু লাঙ্গোই শগে লগা লোয়নবা পাংগী মবানয়াইদা পুরক্নুনা পলেম মমাদা শিল্লরে। কোবৌ কুমিং অদুদগী পোইদি জম চনু পায়মা লিংজেল খাবীদু অকোংজাম্বগী তালোয় শীংদা চল্লে, লুমলেন লাদা য়েক্লে। পোইদিংজম চনু পায়মা লিংজেল খাবীবু কেগে মীরাম্না থোইদিংজম চনু কৌনখি।

কেগে অকোংজাম্ববু লৈবাক্কা শকখঙ মায়থঙনহনগে নিংথৌগী য়েংথাং লৈবাক্কী কম্লাইবা ওইনবা চিংডু থাংজী লাইনা লোইবী চৌংগী চৌংগোন্দা নাইতোম চাক্তাব চিংডু লাইশা য়াঙ্গোই শানু হকচাউবদো মচুম তাদুনা ঙাওহল্লে। শানুনা লোইবী চৌংগোল থাদোক্কুনা কেগে খুল্লকতা চঙদুনা য়ুম-কৈ খুদেকপ্পদা নঙনা লন-থুন কয়ামরুমদু মাঙ তাকহল্লে লবুক্তা কুমজুনা মহৈ মরাং মাঙহল্লে

অউ অউবা মী হাংলক্লবদা কেগে লৈবাক্কী মীয়ামদো শামু কিবনা থরাই থোঙাল লাম্নবিরে, কৈথেল কাবা লেপ্লে। লৈবাক্কী অর বা অসি কোক্লবা মোইরাং নিংথৌনা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পূম্নমক কংলাদা কৌথংলগা রাতাম্নবদ শামু ফাবা ওন্বা মথৌনা লেবা অঙম্ব অমত্তা চোংথোবক্লবদা নিংথৌ মথরায় রাবে। লৈবাক্কী অরাবা পাউাস তাবদা অকোংজাম্বন। কেগে কনাসু তাহন্দনা অহীং তাংলৌ অথেংবদা থোক্কুনা চিংঙু লাইশা যাঙ্গোই শামু অঙাওবতু ফারগা তেহন্দুনা নিংথৌদা মপুগী খোঙনেংশা ওইবিয় কংলম্মী। কেগে অকোংজাম্বগী মতিক মথৌনা উবদা নিংথৌনা পেল্লহুনা মপুগী য়েংথা হাপ্তুনা লৈবাক্কী অঙম্বা ফম্নাইব ওইরে কেগে মীয়াম্না শকথও মাথবউনবিরে। নিংথৌনা শামু অতু মোইরা শা মমিং থোন্দুনা নিংথৌগী খোঙনেংশা হাপলে। য়াঙ্গোই শামু লুরাব মোইরা শারু ঙাংথরাকপগী মপানি যাংলৈপানবু তখেল শাকহনব হাপ্তুনা শামু অতু শেম্নহনখি। চিংঙু লাইশাদু নিংথৌগী খোঙনেংশা ওইদনবা চিংঙু থাঙজীং লাইনা মোইরাং নিংথৌগী খোমলেন মঙলানচান্দা মঙফাওনবিরনালে। "কে মোইরাং নিংথৌ ইস্নক ইশাংবোই' নহাক্ন খোঙনেংশা ওইগে খল্লিবা মোইরাংশা অসি অচম্বা শামু নত্তে, থাংজীং এগী লাইশানি। মবো চাউবা অঙাওব' শামু অসিনা রা লেন মতম থরা তেশিন্নহুনা লৈরিবসিনা অমুক হন্না ঙাওরক্লবদি ফাবা পুনবা যাবোইয়ে কেগ মঙ তাক্কনি মোইরাং মীয়াম মীশি মীনা থোক্কনি। হযেং ইনু ঙানদ্রিউৈদা কেগে কনানা খঙলোইদবা মোইরা কনাসু উবোহ্নদব' উরা খুন্দাপুং পুন্সিবা পুংলেনয়াইদা থাদোকউচো" তাকপিরক্লে। মবুঙো থাংজীংগী চিংঙু লাইপাউবু কিহুনা নিংথৌনা তযুম মাগী অচানবা য়াংলৈপান তখেল শাকংহনববু কৌরগা অহীং তাংলৌ অথেংবা মীচিক মীরাউখোল তাদ্রবা মতমদা শামু মারু উরা খুন্দাপুংদা থাদোকহনখি। নোংঙাল্লগা তখেল শাকংহনবনা অহীংদা শামু নাম্বোক্কুনা চেনখ্রে থিবা ফংদ্রে হায়রা লৈবাক মীয়ামদা পাউচেন্দুনা খঙহনখি।

অকোংজাম্বা—কৌওইবী পাউয়েম্বা

লমাই কুমপা নাউশাবগী গ'মাম কোইদিং নুমা অথোইবী কৌওইবীদু লৈণবী কাংদো' ফাবকপদা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা শকাফনবা মিংঙাল ওইন মীযামা শকথঙ মায়খঙনরক্নে। নোংমা মোইবাং নিংথৌগী সনা যাথং তুইনা কেগে অকোংজম্বনা লাঙ্গোই শগোল তো লগা লমলেন তোববুং লমজাউদা য়াওরৌ শাদানবা লাকপদা চিঙু থংজীংগী খুজিল থৌয়া না কেগে যাংদৌ লম্মখাংদা থোইদিং নুবা অথোইবী কৌওইবীগা তেংলো শক উন্নহন্নে। হান্না অমুক্তা উম্নখিজ্রবা শাবি শানৌ অনিহু নুমিং অহুদা উনবমক্তদা মংক্ষম তোংবা ঙম্মনা সেংনহুনা লৈ'ব পাম নুংদ অপাম নুংশি ঈচে•ব। অকোজাম্বনা লাঙ্গোই শগোল শযা থক্তগী কুমথরপা নুরাগী নাক চঙশিন্নক্তুনা থাউদল মানবা তংথাংপী নুরাগী শামু খজেং পাম্নরগা অপাম বাদা ম্রাযথু নসি নুংশি লৈপুল ওইনসি শন্নি ব্রাশক পন্দোল লোম্মসি হাযবকলে। মশাবি মমানমচাগী নুংশি চেংলৌ মাবংথোংহু চিনা, যেংলগা নুবান য়ারা মপাউ মেন্নকই। "থংলেন মাঙ্গ লোমুম্ব। শসি পন্দোল লোম্মজ্রবস্ত নুজা ওইবী ঐহাকী শমু থাজেং পালোযনবিববনিন। নিঙোস ওইবী ঐদি পাথংগী তালোয-শীংদা চম্নে, লুমলেন লাপা যেকলে। ঙসিদগী হৌনা ননাওদি পালেম পাম্মৌগী নাক্তা লৈবা য়াজ্রে"। নিঙোলগী যাব্রা মপাউংখ'ল তাবদা কেগে অকোংজাম্বা অথৌবদো হোয় মাই পাউথুম পীবা ঙমদনা মরু লুক্তুনা লৈম্রেথ্রে, ব্রাখলনা লাঙ্গোয চনখ্রে। ব্রংলেন মিকুপ খম্নদং নুংবংনরুম্নগা মশানৌ চেংলৌ চিংনা যেংলগা, "শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী! নশাবি ঐদি কেগে নিংথৌগী মযাঙ্গংবু পুবগা লমলেন তোম্নবুং লমজ্রাউদা চিংঙু, শারম ক্লাবা খোঙশাল্লকপনি! ঙসি কোরৌ নুংশিংতি শানৌ নঙবু পুরগা পাথং মোংবা হুরানয়াইদা হনবা য়াংথোইরৌরো। হয়েং ইনুং ঙানবগা নুরাগী নাক্তা লাক্তুনা চেক্লা চাগম চিনদিম্না

পোম্বী চাগুম চিল্লোক্লসি। মুরা ওইবী মহাকপু পসেম পম্থী খঙনা তাউজিং হৌজিং কাদুনা নুবাবু লুহোং খোংদোংলগা কেপে লৈবাক মীমাওদা লেম্নবগুম য়াঙ্গোইবিযু” হায়না থেমহুনা নৌড়ুন পাউমেন্নবড় কৌওইবীনা য়ানিংদে। নিঙোল ওইবী ঐগীদি হাযজবা য়ারানা অরেপ্পনি নীংজবা পুক্নিংনা লেঙদবা পামেল উপালনি। পাখংনা ননাওন নুংশিবি নুংশিবিদে অরেপ্পা খঙজবগে খুম্ৰকলে। মশানৈগী যাবা মপাউনা কনবরে, নিংথৌগী সনা যাথ'না লুম্বনে, থৌড়ু নুং অনিগী মরক্তা হা ওইবে কেপে অকোংজাম্বা অঙম্বদো। নুরাগী পুক্নি'না লেপপিরবদি পাম্বং মোংবা হৈবানযাইদা অরা পোম্থাহুনা ঙাইবিবম্ম। পাখং! ঐসু চিংঙু শাবম ফারগা রাযবা তম্না হল্লকে পাওমেন্না মশা নৌবু থেমহুনা থনম্লগা অঙম্বা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা তেবনু মায়কৈ পাংখি।

মশাবি অকোংজাম্বন' য়াওরৌ শাদানবা চংশ্রবদা কোইদিং নুক অথোইবী কৌওইবীনা নিঙোল মোংবা মরানয়াইদা হন্দনা মোইবা মণজেনমহাদা হংল হংলহুনা অকোংজাম্বগী মবানযাইদা চঙলকলে। নুরাগী মপোক্তা পোক্লবী কৌওইবীদো ইকায মাযথোং লূকক্লা চঙলকপদা মাঙ্গোন্দা রাই শিংতুনা লৈরিবী অকোংজাম্বগী তালোং থোইদিংজম চনু পাযমা লিংজেল খাবীনা কৌবিরে। মশাবি অকোংজাম্বগা পোকমিন্নবী মচল ওইবাব ই পায়মা নুংদা খল্লহুনা কোওইবীনা “ইচেম কৌসি কৌঙমদবে খোয়নৌ হাযসি হাক্লঙমদরে, ঙসি অহীং অসিদদি নিঙোল ঐবু মো বা নরানয়াই অসিদা যাবেকচগে। লমলেন তোববুংদা য়াওরৌ শাদানবা খোঙশানখিবা ইশাবি অকোংজাম্বা অথৌবনা নিঙোল ওইবী ঐবু পাখংগী মরানয়াইদা ঙাইবম্মু তাকপি-বদগী নিঙোল ঐনা লাকচবনি” হাযরকলে। লোইবী হাওনুবীগী ফিজেং শেংপী চেংলৌ শকহেনবী নুরা অথোইবী কৌওইবীগী যারাহু তাবদা পায়মা লিংজেল খাবী তালোয়হু শাউনিংবনা লুতোন কাখ্রে। কৌওইবীবু য়েংলগা “হায় লোইবী হাওনুবী চমোংনবী য়ারা নপাউ

তাম্বিংদে। ইশাখি অকোংজাম্বা অঙম্বগী কোলোয় মিংশেনবু পন্থুনা যাম্না পাওমেন্নবদি কাংজ নমায ইকাযদবরা ? নখি নবোল মোংথি নহিক নকোই তাহৌনি থুনা য়াউনা খোঙশানখ্রো চেংলৌ মশক য়েংনিংদে য়াম্না নপাউ তানিংদে হায়না অর্থীবা য়াম্না খোমকম্না চৈথুনা ত ঙ্কোকপিবে। অকো জাম্বগী তালোয়নি থঙলবদা কোইদিং মুম্না অখোতইবী কৌওইবীদে। ইকাযবনা মাথখোং থেগুম লাংশিল্লে, মক গুককা নুথাগী মিংলু অনিদা নিলাং শিন্থনা হিক্না হিক্না কপলকলে। "হা ইচেম ইবেম্মা! মিঙাল ঐগী ইয়ান নত্তেদো ইশাখি অকোং-জাম্বনা য়াওবৌ শাদাম্বা খোঙশাল্লমদাইদা পাখংগী মোংবা ইয়ান-থাইদা ডাইরম্ম তাকপিবম্বগী নিত্তোলনা লাকচবনি"। লোক্সখী তাওম থাগী কিজেং শেংপী কৌওইবীগী মচিন্দগী মশাখি অকোংজাম্বগা নুংশি রাশক পন্দোল লোয়খ্র তাবদা পায়মা লিংজেম খাবী তালোয মাদি থখোর খাম্বী মৈগুম চাকলকলে কৌওইবীদা চাগদবঙম শাত্তুম্না য়ংলকলে। ইশাখি অকোংজাম্বনা হল্লকপা ডাইবা ওইনা ডসি অছী তাংলৌ অঙ্গিদদি মাঙ্গোল কাচিন্দ লেকচগে তম্না চাকম্বু চাজ্রোই চবৈ কিম্বু নিজারোই হায়জবম্বু পাখমা লিংজেল খাবী তালোয়না নাখিদে। কৌওইবীনা য়ুমগী য়েন্নখাদা লেকচগে হায়জবম্বু শেন্দ্রাং নকম মাপনি যাদে, কৌম্বুগোংদা লেকচগে, য়াইকোন্দা হিপচগে হায়বম্বু মুকা শুম্বলগ য়ে খিনগনি য়াদে। মাঅবি বণগোন্দা লেকচগে হায়বাদম্বু মাঅবি থখলাই তাগনি, ওকনুকোন্দা লেকচগে হায়জবম্বু তেকপা ওকনাই তাম্বনি হায়বে। কোইদিং নুবা অখোতবী কৌওইবী ইবেম্মদো হায়রকম তৌকম থঙদহুনা ওয়াংদা কপ্পুনা লৈরে। নুমিং তাখিহুনা মম্পিল্লকবদা মীনুংশী থঙদবী তালোয়দি ইমুংদা চঙলগা খোংজি নাইত খিন্থনা লৈখ্রে। লাইবকচাউবী কৌওইবীদি থরাই থোঙ্গাল লাম্না চংশি চংওমদা অম্না মৈতাক মুংদা ফুমা হিক্না হিক্না কপ্পুনা লৈরক্লবদা কাইরৈ য়েঙকোন্দা লৈখ। যেনবানা খোমল্লগা মাখী য়েন-খোন্দা অহীং যাম্লেকহনখি। কেগে ইমুং ডাম্লকপা মোইরাং, লোবা

হেল্লকপা তাউথ্রা চিঙ্গোয় অঙনবনা লংলাগী লংজিন তিংলকপা য়েনবোন্দা য়েনবা লাবা থিকচোম্বনা কে ক্রে কে য়াকৈবকপা কাইরৈ য়েনখোং তাবদা ফৌওইবী মাসু মিকপ থোবক্তুনা মপান্দা থোবক্লে। অহীং চুপ্পা য়ারেক্তুনা মশাবি মমানমচাবু ঙায়জবদা হল্লক্রবদা পায়মা লিংজেল খাবী তালোয়গী মমাঙদা "ইকায়বনা ফৌওইবী নিংঙাইদনা লৈথোকপা ঙম্লক্রে। অশাউবনা মাঙওইনববী হাওনুবীগী ফিজেং শেৎতুনা শক লোংলিবী যোঙ্গদিং নুরা অথোইবী ফৌওইবীদো চিঙু থাংজীংবু থুরুম্লগা মশাগী মতিক মথৌনা উৎলম্লগে খল্লহনা মশক মতৌ ফজববী ফিজেং লৈতেং চঙখোনবী চনু নিঙোলগী চেংলৌ শক্তম লৌরগা মশাবি কেগে অকোংজাম্বগী শুমাং মতোন্দা লেপ্তুনা পায়মা লিংজেন খাবী তালোয়বু কৌরকই। "হা ইচেম পায়মা লিংজেন খাবীও! ইনুং ঙাল্লে থোরকলে। হৌজিক্তি নশক ইশক তাম্লবসি চরৈ নমথাং উংনবসি, নঙনা পান্বদা হায়য়ু নতুং ইনবিগে" হায়বকপা ফৌওইবীগী য়ারাহু তাবদা পাযমা লিংজেল খাবী তালায়দো থোংজি নাতৈ কাংহনা মাঙ্গোন্দা থোরকপদা মশক মতৌ ফজবী ফিজেৎ চঙখোনবী ফৌওইবীহু উবদা মহাক ঙক্তুনা চপ লেপ্লগা য়েংহনা লৈরে। নুরা ঐদি লোইবী হাওনুবী নত্তে, কেগে চনুরানি কোলোয় মিংলেম্না ফোইদিং নুরা অথোইবী ফৌওইবী কৌই, ঐগী ইতিক খঙজৌ নশাবি অকোংজাম্বদা তমজৌ হাযরম্রগা শুমাংদা তিং-খোক্তুনা থল্লিবা ফকলোং চবাই মথক্তা কাখৎতুনা মশাদা ইল্লিবা চরৈ ফিহু লৌথোক্লগা কম্বোকপদা লোইমোম ফৌনা চীংহুম শানা ফৌবৈ পৈরে। মহু উবদা লোইমোম ফৌওইবী লাইবেম্বীগী শাইওননি খঙলহনা য়েনবোন নুংদা লৈরিবা কাইরৈ য়েনবানা শুমাংদা থোরক্লগা "হা পলেম ইমা লাইরেম্বী লোইনাই থাংয়ি অহোংবী, লোইমোম অচোবী ফৌওইবী অঙাংবা চীংহুম শাবিয়ু অঙৌবা পুংগুম থোনবিয়ু, ফকলোং চরাই থক্তা তুবেল লৈঙোই হাজিনবগুম ফৌমি হাপ্লিরম্মু হায়না থোংলকপা কাইরৈ য়েনখোং তাবদা পায়মা লিংজেল খাবী

তালোয়দো কিবনা মশা পুম্ব তুজংলে। ইচেমগী ইবেম্মা ফৌওইবী
ইনাওবু চেংলৌ শকখঙলুদবনা অথৌবা য়াবা খোনফম্মা চিঙ্গোয়নখিবা
ইচেমগী ইরাস ঙাকপিয়ু। ঙসি কোবৌদগী পলেম পন্থৌ অমত্তনা
য়োক্লকপী ইচিল ইনাওগুম্না নংশিননা চান্না ইশাবি অকোংজাম্বগী
মোংবা মরানয়াই অসিদা লৈমিন্নসি থেমজববু ফোইদিং নুরা অথোইবী
ফৌওইবীনা য়াখিদে। হা ইচেম পায়মা লিংজেল খাবীও, ক্লনকী
মপোক অসিমদি ঐখোয় অনি পৃন্না লৈমিন্নবা য়ায়রোই হায়রল্লগা
ফোওইবীদি অশাউবনা মাঙওইনহনা হাওরৈখ্বা পাংনা খোঙশানখি।

য়োইমনাই তাউদল অঙানবনা নোংচুপ চীংখোং তয়কপা রাংলেনদা
অকোংজাম্বা অথৌবদো লাঙ্গোই শগোল তোংলগা য়াওরৌ শাতান-
লুবা মরানয়াইদা হল্লক্লে। শুমাং মতা ফবদা চীংহুম শানা পৈরিবা
লোইমোম ফৌবৈ উবদা অথৌবা ঙকপদা থেংগ্রে, মশানৌ পায়মা
লিংজেল খাবীবু খুলাম তোয়না কৌরগা য়াবা পাউহংলকই। ইশাবিগী
তুংদা লোইবী হাওন্নুবীগী ফিজেং শেংবী মশম মনা ইফা কাবী
নুরা অমা চঙলক্লগা ইশাবিগী কোলোয় মিংলেন পনবহুদা শাউনিংহুনা
মশানৌনা য়াব্রা মীচৈরুম্রে। হাওকি চরৈনবী মুজাহু লোইমোম
ফৌওইবী লাইরেম্বীগী শাইওন ওইরমহুনা ফৌবৈ পৈবিরল্লগা অশাওবনা
মাঙওইননা খোঙশানগ্রে ননাওনা খাম্বা য়াখিদে। মোমনু তালোয়গী
য়াবা মপাউ তাবদা মশানৌ ফোইদিং নুরা অথোইবী ফৌওইবীনি
খঙলহুনা কেগে অকোংজাম্বা থিন্দনা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা মশানৌ
মনেম্মচাগী মার খোঙ্গুল লীরকলে। ফোইদিং নুরা অথোইবী ফৌওই-
বীদি মশাবি কান্নরা মৈশা লাং ইকায় মায়খোং লুরুক্লা কেগে মোইরাং
খাদোক্লগা পোইরৈ তাম্না খোঙশাল্লগে পায়মা নংদা খল্লহুনা লোইবী
হাওনবীগী ফিজেং শেংলগা খাংচেং মচি লাংনা কোক্তা হুম পুরগা
পাং লাম্মা চংলি হায়বগী মকম অহুবু লমলেন হাওখ্রমপাং কৌন্নখি।
লমশাং চংশদা রাৱহুনা লমলেন চাকশৌবুং য়েরকপদা তরা চয়োম
থোক্লুপা চায়গা কোরৌহনবনা কোকতোন রায়রকপদা তোরবুং কাচিন

পাংলকল্লে। কেগে অকোংজাম্বনা জাঙ্গোই শগোল তোংদুনা ওন্থ-রক্লগা মশানৌবু খাম্বদা যাদহুনা। কৈ ওইবীনা অশাউ মায়থোং লুকক্না মশাখিগী মনুঙদা থোইনা চংলি হায়রবগী মকম অহুনু লমলৈন থে বা কৌনখি। অকোংজাম্বনা চঙশিল্লকুনা নুরাগী মমাঙদা লেপ্তুনা থংলবদা ইকায়খিবী নুজাংদা মশাবিগা মিংচান্নবদি ঙমজদা মাথংথা লৈদা লুতুনা। নুংশি পম্মোম নুংঙম্না মিংম্না থম্বাল লৈকাদা তুংলাইজ ঊহৌনা হিক্না হিক্না কপলকলে। অকোংজাম্বনা নুরাগী শাম থুজেং পালোয়নন, "শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী. চিংডু নোংদমখোলনা কনখিবনা নুবানা তাংজা ইকায় ফিরুরুবদি নশাবি ঐগী ইবাক্লনি। অশাউ মৈচাক মুংপিরা নশাবি ঐগা লোয়নন। মেংবা ইন্নামহাইদা থোঙশাল্লসি" হায়রকলে। "শাবি থংলেন লোয়ম্বা, হুন্দকী মপোক লাংগুন অসিমদি চিংডু নোংদমখোলনা কনখিবনা অপাম কাদা লেংনরে নুংশি কাদা থুংনরে। মপোক লাংগুন অমদা অপাম নুংশি রারথুংনা নুংশি লৈপুল ওইনসি, কোরৌ নোংবু য়েং মালেম লৈবু খঙনা শারি রাশক পন্দোল লোম্নসি।" নুংশি য়ারা পাওয়েম্না শাবি শানৌ অনিংদো ইকায় ইকি রামা লান্না শামু খুংনা ফংনা কোম্নচুনা কপ-কিন্নরে। অসুম্না রালেম ঙাহাক নুংশি পুকমেন পাওয়েন্নবগা কেগে অকোংজাম্বনা লাইজ ঊরেনুংদা কুয়গা লেমলৈ ঙাকচে কারে। খাম্বী মৈ হৌগাংকুনা লেমলৈ ঙাকচে কাংশোই থোংলগা চামিন্নখি। মখোয় অনিনা লেমলৈ ঙা কাংশোই চাখিম্নখি হায়বগী মকম অহুনু লমলেন কাংশোইবী মিংথোনখি। শাবি শানৌ অনিংদো নুংশি য়ারা পাওয়েন্না অহৌং য়াথেকখিন্নখিব। মকম অহু পোইরৈ চাংতোম রাঙম সুভোম্না খঙনব। ই পাম্বী খারকী হায়বগী লমলেন ইখাউ মিংথোনখি। অপাম নুংশি রারথুনদা কায়না মৈশা লাংলবী থেপইদিং শুরা অখোইবী ফৌওইথীদো লমলেন ইথাই পুন্নজচাং শেকনা তাংদমপোক পাংখি। খেগে অকোংজাম্বা অঙম্বদো মশানৌ কায়না মৈচাক্না মিংলু পিরাং ঊহৌনা মশানৌনা চংখিবা মায়কৈদা চিংনা য়েংদুনা লৈহৌই।

খম্বা থোইবী

অহানবা মতাং

পুরেম্বা পোকপা

খুমন লৈবাক্কী মোইবাংদা শাইদাংলকপা খুমন নিংথৌ রে ইথোং ঙাইগী মপারি হাওবম নিঙ্গোয় য়াহমগী মগু ইবুঙো পারেংনা পোকপা পুরেংগী মপারি নোংযাই খবগা, মোইরাং নিংথৌগী মনাও ইবুঙো চাউখু নহা তেলহৈবগী অমত্তা পোকপী মমামলোই, মপু হুম্পকয়ুম লৈংমাংবী লমদমদা নাইতেম শাংনী থালগুম শিঙ্গ হবাং লেনবী থদোই, থোয়না পানবী থোইবীগা শাবি শানে অনিনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নুংশি শাইওন থোউদা মিন্নরকপসি ইরাং পুবিংলাই চাউখু লম্বা মযাম্মা চাউখু তেলহৈবা হায়না খংনবা মোইরাং নিংথৌগী সনা হাক্কক্তনি। খম্বা থোইবী অনিগী নুংশি শাইওন বারীবু পুকিং চংনা তমজরিবী রাইনু মেপি থেঁদনবীনা মপুক্কিংদা চিংনবা পোক্লনা মশাবি কদনবা যেংলগা "শাবি ইবুঙো ঙাইবিখো বারী মথা চংথবিখিনু ননাওগী পুক্কিংদা চিংনরবসি হান্না কোকহনবিখো। খুমন নিংথৌ যোইথেংঙাইগী মপারি হায়বম নিঙ্গোয় য়ারমনা মরৈবক খুমন থাদোক্লনা কয়ম তৌনা মোইবাংদা লৈখিবগী রাবীতু হান্না লৌবিখো অজখিগে হায়জখি। মশানৌ মনেম্মচাগী খংনিংলিবা মপুক্কিংদা চিংনরিবা রাফমহু কোকহনগে খন্নহুনা হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মনা মোইরাংদা শাইদাংলকপগী হৌখিবা থোঁদোক রারীদো। রাইমু মোংবা কদনবনা মথং শীংনা লীবিরকই।

কেগে নিংথৌ পুরিংলাই কাবা পুরাংবনা মোইরাংদা নিংথৌ ওইহুনা পানবা মতমদা নোংয়াই খুমন লৈবাক্তা য়োইখোংবাইনা নিংথৌ ওইহুনা পাম্মি। নোংমা খুমন মিংথৌ য়োইথোংবাইনা মনাই মশল কনা তমত্তা লেয়নদনা তাউবা হুই মরোইচা পুহুনা চীংযদা য়াওরে শাতনবা চংলি। ঙমিং তহু শা তমত্তা ফদবগে হাবনা মশা চেকথরবা নিংথৌদো লাইজ ইথিলনা ঈময় চেনবা পাংকী পাংয়াদা হেঁবা নানপ পাস্বীগী মখোংদা হমহুনা খঙ্গোন হকচিক লাংনা পোথারম্মী। বাংলবা নানপ পাস্বীগী উশাদা য়থিবা লিক্লাং পরেং অমগী মমি লূরবা লাইজ ঈরে লম্নংদা তাবিবহু তাউবা মহুইচানা ঈশিং থকপা ন্মকপদা উহুনা খোংলকই। মরোই তাউবা হুইনা ঈশিংদা য়েংলগা খোংলিবসি করিগীনো মপুংক্লংদা চিংনবদগী পোথারিবা নিংথৌহু হৌগৎলক্লুনা য়েংবদা ঈয়ায়দা ফজরবা লিক্লাং পরেং অমা তাবগুম্না লৈরিবা মমিহু উবদা খুমন নিংথৌহু কেনে খুমন নিংথৌনা লাঙ্গোই শগোল মথক্তা লেপলগা চাউরবা নানপ পাস্বীহু কাখৎতুনা উশাদা য়থিবা লিক্লাং পরেংহু লৌথরগা শাদনবা তোক্লুনা ময়ুমদা হল্লক্লে। ফজরবা লিক্লাং থাবা মন্নংচৎ অহুবু নিংথৌনা মাংগী তালোয় ঙান্নুরোল কাইরৈমদা চেবথিম্না থম্মু শিন্নরম্মী। ঙান্নুরোল কাইরৈমনা হরাও কুম্মৈ য়েংবা মতমদা লিক্লাং অহু পুথোক্লুনা শামান লেংম্নবী মতাশিংগী মমাংদা লেম্নবগী মথংগুম থিরম্মী। চহী কুমজা ওক্তকপদা মপারি হাওরম অহুন পোকপা মতুনদা মপারি নাউরানা অঙাং ওইরিঙৈ তাইবং মীরোল খংলকপা অঙাং ওইবগী কপ্পনা থেম্বা য়ারক্লবা মতমদা পলেম মমা ঙান্নুরোল কাইরৈমনা থাবা ঙাঙোই লিক্লাংবু পুথোক্লগা মপারি নাউরা চাউহ্রিবদা শিবিহুনা পারি নঙগী লিক্লাং ওইজো হায়না নাউথেম্বদা কপলহা মপারি অহু কপ্পা তোক্লুনা হরাওনা থিক থিক নোকচৈ। মপারি হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মা পোকপদসু মপারিনা কপ লাউদনা থেম্বা য়ারক্লবা মতমদসু

পালেম মমানা লিক্লং পরেং অদু পুথোক্লগা শিবিদনা পারি নংগী ওইজো হায়বদগী কঙ্গা তোক্লুনা হেক্তো মনোকই। মপারি অতোনবা হাওরমতোন লৌথিবা পেকপা মতমদস্তু মপ রিনা বপ লাউদনা নিংথৌই ইচৌরক্লবদা পালেম মমা ওইবীনা ফজরবা লিক্লাং পরেং অদু পুথক্লগা পারি নংগী লিক্লাং নচুংচং থাবা ঙাংলোই লিক ওইজো হায়না মঙকশমদা শিবিদনা কঙ্গা থেমনৈ। মপারি অতোনবা হাও-রমতোন লৌথিবদি নিংথৌই ফত্তবনা অঙাং ওইরিবৈদগী হৌনা মঙক্লা শিরিবা লিক্লাং অদু মখুৎনা পায়রগা কঙ্গা তেকই, লৌথোক্লগা অমুক হেন্না মকঙ্গী। মনা তুমপ্লবা মতমদা মমনা লিক্লাং অদু লৌথোক্লগা থমজিল্লি, মকপ থোরকপদা লিক্লাং থিরক্লবস্তু মমানা মাংখ্রে হায়ডুনা কেয়থি থিজিনৈ। মমাগা অনিদি কঙ্গা হেক তেকপগা লৌথোক্লুনা থমজিনবদা করিস্তু হায়দে। অতোয়া লিক্লাং পরেং পী পীদনা য়েকলকপা মপারি অহুমস্তু নোংমা নোংমগী চাউ-শিন্নক্লুনা কাংগেং ফারকলে পাখং শরেপ য়ৌরক্লে।

নোংমা লুরাংগী কংলা লম্মাংদোংদা লুরাং পোকপা হরাওবা য়েংলদবগী নোংয়াই হাওরম নিঙ্গোয় অহলনা মমাদগী ফজরবা লিক্লাং পরেংদু লৌরগা মন ও মুপা হায়বম নিঙ্গোয় য়াম্মগা লোয়নন্না লুরাং হরাওবা য়েংবা চংখি। ওহাক লৈরগা মনাও মুপা অতোপ্পা হাওরমতোন লৌথিবা লাক্লুনা 'পালেম ইমা ইবেমা! নপ রিনা অঙাং ওইরিবৈদো নপ রি ঐগী ওইজো হায়না ইমনা ঙকশমদা শিবিবা লিক্লাং ঙাংঙোই লিকতু পীবিয়ু। ওসি নপ রি ঐহাক ইমাম্মবগা লম্মাংদোংদা হরাওবা য়েংবা চৎলুগে হায়রকলে। মচাগী য়াবাহু তারগা পালেম মমা কাই-রমনা পরি ইবুংগো হাওরমতোন! নহাক চৎবনি থংদহুনা ওসিদি য়াম্বা অহলনা হরাওবা য়েংবদা ওহাক্তং শিনরুগে হায়দুনা লিক্লাং অদু ইমাদগী য়ায়রগা পুখি, নয়াম্বনা হেক হংকপগা নঙোন্দা ইমানা লিক্লাং শিন্নগে হায়না মপারিবু শাউদনবা থেমহল্লি। মমাগী য়াম্বাহু

তাবদা হুওবমতেন লৌথিবদি শাউবনা লুতেন কাখ্রে। পালেম কবিযর নো? ঐগী লিংনবু ঐগী ইবা তাদনা বাঙগী ইহা দা পীখ্র বনা হায়না মমদা শাউবনই। লিক্লাং অসি লৈবন্দি লিক্লাংগী বাহৈ লগা ঐখোয় ইথিল ইন ও অহুমসি নুংঙাইনবরেই। অদুনা লিক্লাং অসি মরু ফংনা মঙহনবগে হায়বমক্তগা মমগী মনাক্তগী থেককে। মচানা শাউনা চংথিবতু উবদা মমা কঙ্গৈমা নুংং থিবমী। হাওবমাতান লৌথিবনা মমা খাংহন্দনা মথুংস্তু থভলেন লেথে কগা গুদা থৌনা ফেংতুনা লৗনা মযম্বা অমল হুকপা [illegible] লৈখ্রে। কোকেনা নাবল বকবকপা চীযা থেকত লংলকপা মিদাংগা মঙমদা [illegible] হাওবম অলনা মঙ থবগা হওবম নিঙ্গ [illegible] তুং থংঙু নুমিৎ তাঙ্গিদৈদা মযুম লৌগে খ্রনা চেলন, চেলনা লবপতু ভবক্লদা মযাম্বা হল্লকপা ভাইদিব হওবমাতন লৌথিবনা উবে। মযাম্বা ভনিন মগী মনাক হেক সৈ নিকদা নংঙ্গা লুমহনা লৈথিব হওবমা মা ইথং খংহৌদনা চোংথোকরক্লুন মহুগী মংক্রা শিথিব লিক্লাং পাকে অতু মাগী থাভনা ককদা মানাম্বগা মক যাওখ্রে। থাবা [illegible] হ লিক্লাংদো মযাম্বগী তংজ লুরেন। লোইননা মলেম লৈমযথং, তাবিবা মযামবগী তংজ লুরবনতোনবু কোনথংলগা নোং খেংবা মা কপলকলে। ভত্তাক কপলুরা মম ওনুপাগী থাঙ অতু মুংগা পুককচেল ফত্রবা পযমা লিংজেল থবা যাওরবা শবমচং মাংওইনবা নংক নত্তোমদা নোংযাই খুমন লৈবাক্তা পানজত্তে বো। কবিস্তু লৈপা লিক্লাং পবেং অসিগীদমক্তা ইযাম্বু যাইবী লৌবা নঙগী নপুককচেল অহুনা নোংমা নত্রগা নেংমদি ঐবুস্তু যাইবী থবায় লৈগে খংকপা যাই। ভসিদগী হৌনা নংগী নপক যেংলরেই নঙগা তিন্নবরোই” হায়না মনাওহপাবু চৈবমী। লিক্লাংগী বাহৌগীদমক্তা হাওবমাতান লৌথিবনা মযামবা হাওরম অহলগী তাংজ লুরেনবু ককথিবা, থাবা লিক্লাং পবেদগী লিক্লাং চোইনা তাথিবা মফম অতুবু লিক্লাংইক বোং হায়না খংনখি।

হায়জখি। খুমন্দা নিংথৌ ওইবা য়াবা নহাক্কা মোইরাংদা শাইদাংদুনা লৈরগা নিংথৌ ঐগী ইভেং পাংগনি লৈবাক্কী ফনবা তৌগনি হায়বা য়ারাসি তাবদা কেগে লৈবাক্কী মীয়াম্না য়ানিংনবা অঙম অথৌশিংগা তায়খিগে হায়-রক্লে। মোইরাং নিংথৌগী চিংনবা য়ারাদু তাবদা হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মনা চিংঙ্ থাংজৌং লাইবু পন্দুনা থাঙলেন ময়া অপাববু চিক্লগা কেগে লৈবাক্কী ফনবা মপু মোইরাং নিংথৌগী য়াইফনবা নত্তনা করিস্ম তৌজরোই। ঐনা করিগুম্বা মতমদা পুকচেন ওল্লক্কুনা খুমনগী ফনবা মোইরাংগী মাঙনবা খল্লক্লবস্ম চিংঙ্ থাংজৌং লাইনা রারক চৈথেং পীবিসম্ম হায়না কেগে ক'লা তোংয়াইদা ফমদুনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা নিংথৌগী সনা মাঙদা শরি রাশক পন্দোল লোমলে। হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মগী শরি রাশক তাবদা নিংথৌনা পেনবিরে, মীয়ামস্ম হরাওনরে। নিংথৌপা হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মগা অনিনা কেগে কাশাপুং মোইরাং রাশকপুংদা কাখৎতুনা রাবেপ্লখি। হৌজিক্তি পুরিংলাইনা মুংশিবিরবনিনা খুমন্দা পোকচরবস্ম ঐহাক মোইরাং ওল্লে, নিংথৌগী মনাই ওইরে। কেগে লৈবাক্কী য়াইফনবা ঐনা য়াইবী থরায় কৎথোক্তুনা পুন্সি চুপপা পুরিংলাইগী থৌগল তৌবা তারবনিনা ঐবু হৌজিক মুংশিবিরিবা চানবিরিবা অসুম্বা হয়েং ইচা ইস্ম চারোল শুরোল কাওবা নিংথৌরেল খুদিংগী মনাই ওইহনবিদুনা মথোয়না পাম্বা কমদা মতিক মাপা চাবা য়েংলগা কম-হনবিয়ু হায়না হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মনা নীজরক্লে। নিংথৌ ঐগী ইকম অসে নত্তনা কেগে চৈরাপপুং কুচু থোদাকমদা লৈরিবা কম পুমমক্তগী অপাম্বা খল্লগা কমনিংবা ফমদা নঙগী নচা নস্মনা কায়দনা কম্বা ওইসম্ম হায়না নিংথৌনা থৌজানবিবা ময়াথং অদু তাবদা হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মদো মথরায় পেন্না মুংঙাইজখি। চুমিং অদুদগী হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মনা খুমন্দা হন্জনা মোইরাংদা শাইদাংদুনা নিংথৌগী য়েংথাং ওইদুনা অরাং অপা লৈতনা মুংঙাইনা পানখি। হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মনা য়াইয়মচাবু অহোং চল্লগা, ওাম্বরোল কাইরৈমা কৌবী তাঙ্গোয় অনি লৌই। ওাম্বরোল কাইরৈমনা থাংলৌহৈবা পোকই থাংলৌহৈ বনা

মুংয়ামজম চম্বু পামদুনা খুরেন থম্বা অমদি হাউরা মুশাংথে হা কৌবা মপারি অনি পোকই। তাঙ্গোয় অহন য়াইরম নাবুনা পসেমকাই মীয়ামা পারেম্বা হায়না খঙনবা মপারি অমা পোকই। পারেম্বনা লোইরেনজম চম্বু পামদুনা পুরেম্বা পোকই। নোংয়াই হাওরম নিঙ্গোয় য়ায়মগী মচা মগুশিংনা নিংথৌরেল খুদিংগী অকল অথৌ ওইনা, নিংথৌগী অচানবা মনাই অওম্বা ওইদুনা মথোয়না কমনীংবা ফংদা ফমদুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা অরাং অপা লৈতনা চুংঙাই য়াইথী মরাং কায়না পানখি।

পারেম্বগী মপারি নোংয়াই পুরেম্বদি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা লমজেন্দা চেন্র-মাংজোংদা মাপা লাম্বা পাবিনবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা শামান-কেংমায়বা মমায়বা অমগা লৈতে হাত্বগী মরায়া মাবু 'কৌশিংবা খিংথোন্নি'। পাথং কাংদোং ফারবপা শাম পাঙল চাউরববদা লমজেন্দা, মুক্তাদা থাঙ-তা খুংসু খুংলায় শীজিন্নবদা হৈশিংবা, মাংগম্বা মপাঙল মথৌনা লৈবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা অতোঙবনি লৈরমকোই হায়নবা পাউসে মীয়ামগী মচিন্দগী তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই চীংখু তেলহৈবনা মনাই শারক্তুনা পুরেম্ববু মপুগী মনা নংঙা কৌথংলি। মপা মপু হাত্তগী কায়দনা চংথরবলিবা নিংথৌবু ঙাকশেনবা লৈবাক্তী অঙগা কম্মাইবা হাপকে মপুগী পায়মা সুংদা থম্লবসু খঙম অথৌশিংনা য়েংলবত্রা চিংনবদগী হানা লৈরোই হঞ্জবা ওইনা হাপলে। মহা ওইনা লৈরোই হঞ্জবা ওইরবা পুরেম্বনা কংলা কাবা উবদা কেগে মীয়ামা ঙকনা য়েংনখি।

শালাংথেল চীংদা মেনতে পাম্খংবগী শুরুং কাংই। মফম অদুদা তাবা খুলম্বু চমং খুল হায়না খঙই। লোইরী চীংশাং অদুবু তাকশেন্নিবা চীংরী নিংথৌবু খুন্নাকপা নঙ্গা শলাং চীংশাংলাকপা হায়নসু খঙই। মতমদুদা পানবা শলাং চীংশাং নিংথৌ মতিক মথৌমা লৈবদা মরুনা লাইরা তিলচা খঙবা অনাম্বা লাক্লংবদা য়ায়া হৈবা মমিং চংপা মাইবনি হায়বগী কনুই শলাং মাইবা হায়নসু খঙই। শলাং মিংথৌগী

মগানা চৌংথ ঙম্বা কবুই লান্থবা কৌই। মমানা লোক্তাক লৈমা কৌই। শলাং নিংথৌনা চহী খুদিংগী মোইরাং নিংথৌদা লোইপোং কাবহু পুরেম্বনা কয় নাইবা চহী অহুমগী হৌনা নিংথৌদা লোইপোং কারক্লে। চহী অহুমগী মেয়া থাদা চাংমীশিংনা চৌংকৌ থাওবা লোইরকপা তমগী ফৌনা থোইঙাং শাৰকপা মতমদা শলাং চৌংগী চৌংমীশিংনা লোই কাবগী মহুত্তা মোইরাংদা লোম্না লান্দানবা শেম শাহুনা লৈনখি। লানগী পাউসে ভাবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা লোননা মনাই থাহুনা পুরেম্ববু সনা নাক্তা কৌখৎলগা শলাং চৌংশাংদা থিন্দনা লোইপোং থৌরুচো সনা য়াথং পীরকলে। পুরেম্বা অথৌবনা খুংলায় পায়বা তমব সুপা চাম্না পুরগা শলাং চৌংশাং তাম্না লোইপোং থৌবা চংখি। মোইরাংনা লোইপোং থৌবা লাক্লে পাউ ভাবদা শলাং নিংথৌনা চৌংশাংদা খুন্দাবা লোইবী হাওয়াম কৌবগা মথুংত্তা খুংলায় পায়হুনা শলাং চৌংগী পম্বোংদা লানগী শেম শাহুনা লৈহনখ্রে। লানগী পাউ অসে তারহুনা পুরেম্বহু মোইরাংগী অকন অথৌ থোংমী ময়ামগা লোয়ননা লাম্থোং শিন্দুনা শলাংথেন্দা হাওয়াম কুয়রকপা তায়হুনা লৈরে। লোইবী হাওয়াম্না মথুংতা তাপাক পায়হুনা লাউর লংউবহুনা শলাংথেনতাম্না কুংথরকপহু উবদা পুরেম্বনা হাওয়াম কিহল্লগে খন্দুনা তমব সুপা তয়ানা থাজংপা ঙক্ষেদ্রবা শলাংথেন্দা তাবিবা সুংপাক অহু মংতামদনা থাঙংলগা হাওয়াম্না কুংথরক্লিবা মায়কৈ অদোমদা লংশিল্লক্লবদা হাওয়ামহু কায়হুনা চেল্লে। ওসি লাক্লিবা মোইরাংগী অকনবা সুপা অসিদি অচম্বা মী নত্তে লাইনি খনবহুনা শলাং নিংথৌনা ময়োই হাও পাথংলাকপা থারক্লুনা পুরেম্বদা লান শোরম্নপনুসি ঐথোয়না চহী খুদিংগী মতম চানা মোইরাং নিংথৌদা লোইপোং কাররগে হায়জবহু পুরেম্বনা য়াবিরে। মুখিং অহুদা শলাং নিংথৌগী পুরেম্বগী মুংশিম লেঙোমহুনা মত্তাও শাররে। শলাং নিংথৌনা মত্তাও পুরেম্ববু মঙুমদা পুরগা অচা অথক মকুক খজা পীজহুনা চুমিংতু পোথ্যাহল্লে। মতম অমদা লমলেন লোক্তাক শাংতা চাক্তাম্বা ইকোপ্তা নাত্তেম্বা চিংথু লাইশা অতৌ তারাক পুংদোংবা কৌবা কাওগা

লাংঙতোম্বী যণবীগা অনিনা থুমন য়াংবিদা লৈমিংম্বরগা পোকপা ঙাংবা কৌবা যণনাউ অহ্ মমানা য়োক্কনা কাংদোং ফারক্লবা মতমদা শলাং চথেন্দা পুরক্কনা থনম্নগা লাংঙতোম্বী যণবীদি কেপে মোইরাং থাদোক্কনা চংখি। যণাউ অসিনা হাওভক চীংগোন্দা মতম খরা লৈরম্লগা লোইবী চীংগী চীংজেন্দ। যণনা লাম্লগা মতম খরা লৈবম্মী হায়বগী মফমদু যণলান চীংজেন কৌনখি। যণলান চীংজেন্দা মতম খরা লৈরম্লগা যণলান কোম্বিন্দা লাক্কনা লৈখি। যণ অসিনা শলাং চীংশাং থুংনা চৎতুনা চীংগী পামলৌ চাথোকপা, হৈকোল লৈকোল নৈহৎলবম্মু যণবু কিবদগী লোইবী হাও অমত্তনা যণগী মনাক নকুখিদে। যণ থেংনগনি কিযনা শলাং চীংশাংদা থুন্দাবা চীংমীচা অমত্তা চীংশাং লাননা চংপা ঙম্মদ্রে। অঙাওবা মীনা লাক্লবা ঙমদ্রবা যণ অসে খরা ফাবিম্মু হায়না শলাং নিংথৌনা মতাও পুরেম্বদা হায়জরকই— "ইতাও ইবুঙো ! লোইবী ঐগী ইশাইফোন্দা চাক্তাবা যণ অমনা ঐগী হৈকোল লৈকোল নৈহৎতুনা মাংহল্লে। ইতাওনা যণ অসি ফারগা পুজখ্রো মোইরাংদা য়োকচরুরো ;" মতাও শলাং নিংথৌগী য়ারাদু তাবদা পুরেম্বনা মাগী মতিক মথৌনাদু হাওয়ামদা উংতুনা যণদু ফারগা মপু মোইরাং নিংথৌদা কৎকে মপুক্লিংদা লেপ্লে। পুরেম্বনা অঙাওবা যণ ফাগনি তাবদা কুম্মৈ য়েংগদবগী কবুই অনাননচিংবা চীংশাংদা থুন্দা লোইবী চীংমী পুম্নমক তিল্লরে। পুরেম্বা অগৌবা চিংচু থাংগীং লাইবু চেংনা থাগোল্লবগা অঙাওবা যণদু ইরাই লাইনা ফারে। পুরেম্বা যণ ফাবদা লোইবা হাওয়াম্মা পুকমুম্না কুম্মৈ য়েংই হায়বগী মফমদু হাওমুরোক কৌনখি। খোইরেন খোইগী মতৌগুম্না অকেয়্য-বা খুন্দগী লাক্লগা কুম্মৈ য়েংলম্বা লোইবী হাওয়াম্মা মমুম মমুমদা হুম্মখিবদু উগদা খোইরেনগুম্না মীয়ামদু তাকখি হায়বগী লমদম অদুবু সমলেন খোই-রেন্তাক কৌনখি। খোইরেন্তাক কৌদ্রিঙৈদা মফমদু ঙাইদে লৌকোল কৌরম্মী। মতাও পুরেম্বগী মতিক মথৌনা। মপাঙ্গল উবদা শলাং নিংথৌ খোইদোক হেন্দোক্না থম্মোয় পেনখি। অনাল নানকৌ খুলগী সোম্বু নিংথৌগী অমত্তা পোকপী মযোম, মশক মতৌ ফজবদা মতমদুদা

শীংথানরিবী সোম্ব্ লৈমা অসি শলাং নিংথৌনা পাম্লবস্থু খুৎকন পাজনবা মবুং তরেংপু কিবদগী লৌবা ঙমখিদে। পাউ অসি তাবদা পুরেম্বনা মতাও শলাং নিংথৌবু পুরগা সোম্ব্ নিংথৌদা মমোম পীয়ু হায়রুরে। সোম্ব্ নিংথৌনা মমোম্ব্ শলাং নিংথৌদা থাজৌ হায়বা য়াত্ত্রবদা শাউহ্না পুরেম্বনা খুদক্তা সোম্ব্ নিংথৌবু লান্দা মায়খীবা পীরগা মমোম সোম্ব্ লৈমবু পুরক্লুনা মতাও শলাং নিংথৌগী তালোয়শিংদা চলহল্লে, শলাং লৈমা মমিং থোনখিরে। মসিদা পেল্লহুনা শলাং নিংথৌনা মাগী হৈথ্ম কোমলা হৌবা ফজম্ববা হৈকোল অনিহুমনা ওইনা পুরেহ্দা পীথোকখি।

শলাং চীংশাং লোইপোং থৌরুবা পুরেম্বনা চহী অনিগী লোইপোংতু হাওয়ামবু পুহল্লগা মানা ফাবা ঙাংবা যণহু পুহুনা মোইরাং তাম্না লাক্লে। মখোয়না তোরবুং লমজাউ লাম্হোব্লগা ঙাংথ লময়াই য়ৌরকপদা মশক মতৌ ফজরবী অরাই লৈমনা চরোং হাবুং মরক্তগী থোরক্লগা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা মীয়ামগী মাঙ থাহুনা লাকলিবা পুরেম্ববু থংলরে। খোইমোম লাইহুরা অরাই লৈমগী ফজরবা মায়থোং থম্বালবু উবদা পুরেম্বা ঙক্লুনা শগোল থাম্লগা মমিং কুপ্পুনা য়েংহুনা লৈখি। হুরা পাথং অনিদো মিংকা মিংকা মিং-চাম্নরে, উনবমক্তা অপাম ঈরাং হৌনরে, হুংশি পুক্নিং হুংওম্নরে। পুরেম্বনা লঙ্গোই শয়াং থক্তগী কুমথরগা ইবেম্মা নঙবু খোয়ুম লাইরা, নমু তাইবং মীরা, কোলোয় মিংলেম্না করি কৌবগে হংলক্লবদা ইবুং অথৌবা, ঐগী ইমিংদি অরাই লৈমা কৌই পাউথুমজৈ। পাথং নঙবু উনগে থম্মুনা নিঙোলনা ঙায়জংরকপা চহী কুমজা য়াম্লকলে। ঙসিদি চিংঙ্ থাংজীংনা কুবিহুনা ইবুংঙো থেংনরে, অপাম হুংশি রাম্নথ্নেনবা শরি রাশক তেমশিংনরসি নতুং ইনজরগে হায়রক্লে। অরাই লৈমগী য়ারাহু তাবদা পুরেম্বা ঙকপদা থেংপ্রবোই হোয় মাই পাউথুম পীবা ঙমদনা ঙকচাম্নহুনা লৈরে। ঙাহাক রাথল তৌরগা "ইবেম্মা ঐহাক্তি মপু মোইরাং নিংথৌগী য়াথং পুহুনা শলাং চীংশাংদা লোইপোং থৌবা চংদুনি। ঙসিদি ঐনা

নহাকপু পুবা য়াদে। হয়েং নোংঙাল্লগা শোয়দনা নঙবু লৌবা লাকে মক্কম অসিদা লেঙদনা লৈরমমু হায়রক্লে। পুরেম্বনা হন্না হন্না খেম্বদা অরাই লৈমা ইবেম্মতু লৈহৌ য়াদ্রে চহী কয়া অস্নুক কুইনা ঙায়রক্লবা ঐবু থাদোকপিগে খল্লবদি পাখং নমাঙদা ঙসিদি নিঙোল য়াইবী থাগনি হায়রকপা মুবাগী য়ারা মপাউখোল অতু তাবদা পুরেন্বা রাখল লাঙ্গোই চনশ্রে হায়কম তৌফম খঙদতুনা মরু লুকতুনা লৈশ্রে। তরেং তবা থোক্লা খল্লুবগা পোল্লেপফম খঙদতুনা থোক্লবা লাক্লগনি চিংঙ্ নোংদমখোল যেংলগে খল্লতুনা অরাই লৈমবু লাঙ্গোই শয়াংথক্তা হাপতুনা মোইরাং তন্না পুবক্লে। চংনা চংনা লম্বীদা পুবেম্বনা পায়মা রাখল তৌরকই। ঙসি ঐনা পুরক্লিবা চনু নিঙোল অসে খোম্মুম লাই ওইরবসু নমু তাইবং মী ওইরবসু মপু খুয়া খাদা কংলগা লৈনম ওইনা নিতুনা তালোয়শীংদা চনগে লুমক্লেন লাদা য়েককে খন্দুনা চীংঙ্ থাংজীং লাইদা থম্মোয় শেংনা নিজবতু খোমুম মানসু পেনবিরে। পুবেম্বনা পুবকপা অরাই লৈমতু কংলাগী থো'জিন্দা থনম্নগ। মপু মাইরা' নিংথৌগী মাক্ত' চঙলক্তুনা চহী অনিগী লোইপোং পুবকপগী পাউতু খুয়া খাদা হল্লংলি। পুরেন্বগী পাউতু তাবদা নিংথৌনা পেনবিরে অঙম অথৌশিংসু হয়াওনরে। মতম অসিদা অরাই লৈমনা চঙলকতুনা পুরেম্বগী খুংক্তেং পায়তুনা চংলসি হায়না চিংলকপা অরাই লৈমগী ককবা মায়থোঙ থম্বালতু উবদা মপুগী পায়মা উনগোইম্নুংদা অপাম মু'শি ঈহৌরক্লে। 'ইদাইরেম অথৌবা! ঙসি নঙনা পুরক্লিবা শিঙেন লৈরাং চারাসে লোইবী চীংদগী ফক্লকপরা লমদম কৈদগীনো? শিঙেন লৈচু তেল্লবা লৈবাং চারাসে লৈমা কোন্দা থারগে নিংথৌ কোন্দা মনিং তম্না শাংহল্লসি হায়রকপা মপু মোইরাং নিংথৌগী য়ারাতু তাবদা পুরেম্বা অথৌবদো মশা পুম্বা হমাং কাংলে নীংজবা রাখল লম্মক্লরে তাংজা মরুলুক্লতুনা লৈশ্রে পাউথুম পীবা ঙমদ্রে। অরাই লৈমসু মহুঙো পুরেম্ববু চিংনা য়েংলগা হয়াগী মিংলু নাপোম অনিদা পিগী ঈরা শিম্বরক্লে, রা মচেং অমত্তা ঙাঙদনা মরু লুকুনা লৈশ্রে। রাংলেন মিরূপ খরদং তরেং তরা থোক্লা খল্লুরগা

পুরেম্বনা মপু থুয়া খাদা হঙ্গংলকই। 'ইনিংথৌ ঙসি ননাইনা শলাং চীংশাংদা লোইপোৎ থৌরম্বগী হল্লকপদা ঙাংখ খুনয়াই য়ৌরকপদা খোয়্ম লাই চম্বুরায়া তাইবং চম্বুবারা চেঙলৌ শকখঙদবী শকহেনবী অসিনা চরোৎ হাবুং ময়ক্তগী চেস্থোরক্লগা শগোল মমাঙদা থংলরবদা নদাইরেম্না কারগা মপুগী খুযা খাদা কৎচগে পুক্সরকপনি। নদাইরেম্দি মুরাগী কোলোয় মিংলেন হংজদে, পলেম পম্হৌ কনাগী মমোমনোম্ব খঙজদে ?' মনাই পুরেম্বগী য়ারাত্থ তাবদা নিংথৌনা অরাই লৈমদা ওনশিল্লগা কোলোয় নম্নিং কখি কৌবগে, পলেম পম্হৌ কনাগী মমোমনো হংবদম্ব ইবেম্মা মাদি ময়োল থোক্তবা মীগুম তুমিন্না লেপতুনা লৈরে. পাউথুম পীবগী মহুক্তা হিক্না হিক্না কপলক্লে। নিংথৌগী য়াকা তুংইন্না মনাইশিংনা অরাই লৈমাবু মশানা য়াদনা নমত্থনা শঙলেনয়াইদা পুশিনখি। মথরায়না পামজবা মতম কুইনা নীংজবক্লনা মশাবি পুরেম্বগা কায়নবা তারবদা অরাই লৈমা ইবেম্মদো চাদা থক্তনা কপু না মম্পিম্সি লেনগে খল্লক্লে। অরাই লৈমগী অরাবা মায়থোং উবদা পুবেম্বা মাম্ব থম্মোয়দা নিংঙমদবা মৈশা লাংলে, কায়না ঈপাক্তা ঈবাক্লবে। লৈমা নিংথৌগী কাদা থোকখিবনা পুরেম্বা হা মখা তাবা ঙমখিদে. শামা পাজল থোকখিদে। মানা পুরকপা যণচ্থ নিংথৌদা কংলগা পুরেম্বা মথরায় মুংঙাইতনা নীংবা কায়না মমুম্বদা হনখি। নিংথৌনা পায়মা থোয়জংনা পাম্মি হায়বগী যণচ্থগী মমিংবু 'নিংখি ঙাংবা পামহৈবা' হায়না মমিং থোনখি।

মোইরাং শাইওনগী রাবী তাবিবী রাইমু মোরী থোদনবীনা মশাবি কদনবদা অরাই লৈমা হায়রিবী মুবাত্থ কনানো মাবু পলেম পম্হৌ কনানা পোকপনো ? মুম্বা মানা করিগীদমক্তা চরোৎ হাবুং ময়ক্তগী থোরক্লগা পুরেম্বগী শগোল মমাঙদা থংলিবনো ? মানা পুরেম্ববু করিগী অহুক পামদুরিবনো হংলক্লবদা অরাই লৈমগী হৌখিবা রারীবু রাইমু কঁদনবনা মশাম্নোগী মকমদা লীবিরকই। চহী কুমজা কয়াগী মমাঙদা মুংয়াংচাউবনা মোইরাংগী ঙাইতে লৌকোন খম্বাল নোংশা লৌদা ময়াক

মহুং চাউবা শাংবা মান্নবা ফজরবা পুক্নি অমা ভৌরম্মী। লাইজ ঈন্নাইদা থরো থবাল থাহুনা শাংহন্নি, পুক্নিগী অকোয়বদনা হৈকোল লৈকোল শেমহুনা কজনা থমই। মানা চেকশিন্না শম্বল থাহুনা থম্বনা মফমহু মীদা নত্তনা শা যণ ফাওবা চঙবা ঙমদে। নোংমা অহীং তাংলৌ রায়বরকপা মৈচিক মীরাউখোল তাদবা মঙমদা চিংঙু বিংথৌ সোরারেল অরাং পাখং য়োইহেনবগী মযোমলোয় খোইমোম লাইন্নুরা মচিক মনাও তরেৎনা লাক্লগা মুংয়াংচাউবগী পুক্নি মপান্দা মখোয়না শেংলি ইল্লিবা ফিজেং লৈতেংহু লৌথোক্তুনা থম্লগা ঈশিংদা কুমহুনা ঈরোইহুনা শান্নরম্লগা নোংঙাল্লমদাইদা হনখি। অম্নুম্না খোইমোম লাইন্নুরা তরেৎনা ঈবোইহুনা ন্নুমিং থুদিগী শান্নবদা পুক্নিগী মহুংদা শাংলিবা থরো থম্বালহু নৈহৎপদা নংতনা কংফান্দা হৌরিবা হৈরাং লৈরাং হেক্তুনা মাঙহল্লিবহু উবদা মহাক যাম্না শাউরে। করম্বা লমহেনবা কেগে মচা কনানা ঐগী পুক্নিদা কুমহুন নৈহৎলিবনো, ঙসিদি কারগা মনম অহু শিংনা শানা ফুগে থল্লহুনা মযুমদা হন্দবমখৈ কনা খঙহন্দনা লুমহুনা লৈগ্রে। ন্নুমিং তাশিল্লরুবা ফাওবদা কেগে মচা কনাস্নু লাকত্রবদা মুংয়াংচাউবনা মযুমদা চংলগে খল্লিঙৈদা খোইমোম লাইন্নুরা তরেৎভো ন্নুমিংতুদি থরা ঙম্না ন্নুমিং হেক তাবগা পুক্নি মপান্দা লাক্তুনা থুংলরে। লাইন্নুরা তরেৎনা নোক-খেতুনা হৈরাং লৈরাং থংতুনা শান্নবহু উবদা মুংয়াংচাউবত লোম্না য়েংতুনা লৈরে। শজিককুম লংলবী, থবাগুম তেল্লবী মশক মতৌ চঙখোল্লবী মখোয় তরেৎনা মশাদা শেংলি-ইল্লিবা চরে নমথাং ফিজেৎ লৈতেং পুন্নমক লৌথোক্তুনা লৈরাইদা থম্লগা পুক্নিদা চোংথাদহুনা ঈরোইহুনা শান্নবা হৌরক্লে। লাইন্নুরা তরেৎ অহুবু কেগে চম্নু নিংঙোলনি মপুক্লিংদা থন্দুনা মুংয়াংচাউবদি শাউবনা লমজিং ওইহুনা কেগে চম্নু লমহেনবী মোইরাং অঙম্বা কনাগী মযোমনো কেগে রাথোক ওইরবম্নু অহু মঙাইরে মনম শিংনা শানা মকুপ্লগে থল্লহুনা মখুত্তা রাশা শাজৈ পায়রগা লোম্না পুক্নি তম্না চঙশিল্লক্লে। নমু তাইবং মীগী মীনম তাবদা পুক্নি মনুংদা মকি মরোল অমত্তা মাঙদবহৈ

ঈরোইদুনা শাগ্নরিবী লাইনুরা মচিন মনাও তরেংতো থ্না-য়াঙনা কাখৎলক্তুনামকি ময়োল শেংচিল্লিহৈঙদা মুংয়াংচাউবা থ্ংলে। শাওং-শাদা চঙ্খানবী থাজগুম ফজরবী মখোয় তরেংতো উবদা মুংয়াংচাউবদি মহিং কুপ্তবমখৈ য়েংদুনা লৈরে। মিকুপ খবদং ঙকচাম্নকুবগা ক্মহেনবা বেগে চনুরা নখোয় তরেং চংপা য়ারোই, ঐগী মাঙলিবা হৈরাং লৈরাং শিংঙমখো হায়বকলে। মখোয় তবেংকী মনুংদগী মচে অহল অতুনা ইবুং মুংয়াংচাউবা ! ঐখোয় বেগে চনুরা নত্তে, খোইমোম লাইনুরানি হায়বক্লে। মদু তাবদা মুংয়াংচাউবদো কিবনা লরাইগী মশম চপ চপ য়ুংদুনা খুয়াদা হুমাং মরিক কারবসু অশাউবদি ফরমদে। নমু তাইবং মী ঐখোয়না লাম্নগা খোযুম লাইনা রায়েনবিগনি। খোযুম নখোয়না লাম্লবনিনা হৌজিক্তি নমু তাইবং ঐনা রায়েনবা তারে। ঐনা মহম চঙনা থাজবিবা হৈবাং লৈবাং অসে অমত্তা মাঙদবমখৈ শিংঙম্ম্ নত্রবদি চংপা য়ারোই হায়বকলে। লাইনুরা মখোয় তবেংতো লামুরবনিন হেন্দোক্ত্না চংপা ঙমদতুনা লোম্না রা তাম্নবগা মচে অহলনা—"ইবুং মুংয়াংচাউবা। নহাক শাউরগনু। মপু তাকুনা হৈরাং লৈরাং হেকলুরিবা ঐখোয় লাম্লে, নহাক্না অপাম্বা অমা হায়বো ঐখোয় পীবগে। অরাং পাখং য়োইবেনবা চিংঙ্ নোংথৌ সোরারেলগী শিদ নাদা য়াইগী পুংখোল ৎারক্লে ইমুং ঙানগদৌবে ঐখোয় হল্লগে মালেমদা লৈবা য়াদ্রে," হায়রকলে। লাইনুরা অহলগী য়ারাদু তাবদা মুংয়াংচাউবনা ঙাইহাক রাখল তৌরগা নখোয়না পীগে খল্লবদি হান্না শরি রাশক পন্দোল লোত্নিখো কোম্না হায়গে হায়রে। লাইনুরা তরেংনা শরি রাশক পন্দোল লোম্নবদা মুংয়াংচাউবনা নখোয় তরেংকী অতোম্বী অদু ঐঙোন্দা পীরো, তালোয়শীংদা চল্লগে, লুমলেন লাদা য়েক্লগে হায়রকলে। মানা পাম্বা পীগনি শরি রাশকপ্রবনিনা হোংবা ঙমদতুনা মচেম তরুক্লা মনাও মুপী অতোম্বী অরাই লৈমবু থেমতুনা থনম্লগা মমুমদা হনখি। মশক মতৌ ফজরবী অরাই লৈমবু মাগী তালোয়শীংদা চল্লবসু মাগা মপুন্জি চুম্না লৈমিম্নগদবদু খল্লুবদা মুংয়াংচাউবদো মপুক্লিংদা চিংনরক্লে।

নোং হেক ঙানবগা পুন্সি মপান্দা য়ুম অমা শারগা মখোয় অনি লৈমিন্নরে। মথরায় ভানা মুংঙাই য়াকা তম্না য়ুমিং হুয়ি চুপ্পা লৈমিন্নরগা মুংয়াংচাউবনা খোইমেংম লাইনুরা অতোংগী অবাই লৈমবু য়েংলগা, ইবেম্মা নঙদি খোযুম লাইরেম্বীনি, ঐনা নমু তাইবং মীনি। নঙগী নশক নতৌ যজবত্ত উবদা হায়গদবা রানা হায়দা হায়রোইদবা রানা লান্না হায়খিবা, ঐগী ইরাল ঙাকপিযু। ইবেম্মা নঙবু তাইবং মালংপান্দা পুন্সি চুপ্পা তালোয়শীংদা চন্দুনা থম্বা ঐগী ইতিক ইপা ওইদে। নহাকসু পলেম পম্বোগী নাক্তা চংতুনা লাইবমলেন্দা তিন্নরো, ঐসু মীবক্তা চংলগে শাগে নাতৈ মবক্ত. লৈরুরগে হায়বক্রে। মশাবি মুংয়াংচাউবগী য়ারাহু তারগা অবাই লৈমনা শাউরংননা হুম্লকই। "কবি য়ারানো ইবুঙো! নহাক্না তালোয়শীংদা চংগনি, লুমংলন লাদা যেক্কনি হায়তুনা ইচেমশিংগী মফমদগী লৌহোববনিনা ঐদি লাইরমলেন্দা চঙহল্লরোই লাইকপুসু তিনবা য়াবরোই। নহাক্না নযুমদা চংতুনা ঐখোয় অনি লৈমিন্নকবসু য়াবোই। অতুনা পুন্সি চুপ্পা নৌনা শারিবা যুম অসিদা ঐখোয় অনি লেঙদনা লৈমিন্নসি।" অরাই লৈমগী য়ারাহু তারগা মুংয়াং-চাউবদি হোয় মাই পাউথুম পীবা ঙমদনা তুমিন্না মরু লুকতুনা লৈখি। অসুম্না ঙাঙনবিদৈদা কোবৌ নাবল রাযখিদুনা মমশিঙ্লবদা হুমিদাংগী চারা চারগা অরাই লৈমদি মশাবিগী নাক্তা খোমলেন তুমখুন তানখি। অহীং তাংলৌ অথেংব মী চফ মীয়াউখোল তাবক্তুনা মতমদা মুংয়াংচাউ-বদো মশানৌ থনম্লগা লোন্না মবানয়াই তান্না চেল্লক্রে। মবুঙোনা মাবু থাদোক্লম্লগা চেনখিবগী শউম ফংবদা খোংলেন য়াতারিবী অরাই লৈমা চেন্থোরক্তুনা মুংয়াংচাউবা য়েংলগা চৈরকই। 'শাবি মুংয়াংচাউবা! নহাক্না তালোয়শীংদা চন্নবী লুমংলেন লাদা য়েক্কনি লৌহৌরবী লাইবকচাউবী ঐব থাদোক্কে খল্লিবদো ঐনা লানকুত্রবী, নহাকপু থম্মোয় শেংনা মুংশিজবা মক্তা ওইরবদি ঐনা কায়না মৈচাক কংলিবসি নঙসু মোংবা নয়ানয়াই যৌবা ঙমদনা য়াংদৌ লম্মথাংদা শম্ম নহকচাংগা য়াইবী নথরায়গা কায়নবা ওইয়ু। নহাক্কী মাহুকত্রবা য়াইবী থরায়না কেপে মোইরাং

লৈবাক্তা তমব ওইনা অমুক পোক্ত্না নশানৌ ঐগা অপাম ঙুংশি রায়থ্নজবা চিংঙ্ থাংজীং লাইনা কুবিসঙ্গু' হায়না মশাবিবু থম্মোয় শেংনা ঙুংশিজবী অরাই লৈমনা মমিংতা পিরাং শিন্থনা কপথুনা নিঙবহু চীংঙ্ থাংজীংনা তানিরবোই মরানয়াই তাম্না চেল্লকলিবা মুং-মংগা ভৈবো থবাই থোঙ্গাল শানশিনবা ওমদনা থোঙ্গাল রাংমদা খুদি খিত্নুনা তুবদা খুদক্তা য়াইবী মথরায় থারে। মাগী য়াইবী থরায় মঙাদো থরায় হামচংনদনা মিংবম হামবোইনদনা চিংঙ্ থাংজীংনা লমজিংবিগনা খুমন পারেম্বগী মশানৌ ইবেম্মা লোইরেনজম চনুদা চঙখি-থুনা পাবি অমা পোক্লে। পাবি পোক্তে রারম্বা মমোম শাংতে ঙুংনাংলম্বা পারেম্বদো মপারি অমা ফংজবদা থম্মোয় পেম্না ঙুংঙাইরে, মপারিগী কো-লোম্ন মিংলনবু পুরে। থোম্লে। মশাবি মুংয়াংচাউবগী য়াইবী থরায়না খুমন শাগৈদা পুরেম্বা ওইনা পোকপসি থোয়ুম লাইনুরা অরাই লৈমগী থোমলেন মঙলানচান্দা চিংঙ্ থাংজীংনা মহুফাওনবিরবদা অরাই লৈমদো মথরায ঙুংঙাইরে কেগে মোইরাং লৈবাক্ত। লেঙদনা লৈহুনা মশাবি মমানমচানা পাখং শরেপ ফাব ঙাইগে হুরাগী পুক্লিংদা চপ মুংনা লেপখ্রে। অরাই লৈমনা ঙাইদে লৌকোন্দা মশাবি পুরেম্বা ঙাইরক-পসি কুমজা কয়া হৌখিহুনা পুরেম্বা মাসু পাখং কাংদোং ফারকলে। মতম অসিদা কেগে মোইরাং শিনবা থংনা মমিং চংলকলিবা নহা ওইনা ফমথোল কারবা নিংথৌগী অচানবা লৈবাক্তী অঙম্বা মপাঙ্গল থৌনাদা শাংথানরবা পুরেম্বগী মমিং তাবদা মশক উত্রবসু অরাই লৈমগী মপুকক্লিংদা হরাওজৈ অপাম ঙুংশি রাযথ্নবগনি থল্লবদা থম্মোয় পেম্না ঙুংঙাইজৈ। চহী কুমক্তা কয়া হুরাগী খোইজি খাদা লোংতুনা থমগ্রবা মশাবি মুংয়াংচাউবগী হৈরাং মরু হুনখিবা তাউজিং মমি তমখিবা হৈরাং চারাহু মতম চারে তাউজিং হৈজিং ফানা তাইবং মালংপান্দা অঙাং নংউম্না ওইনা পুথোক্লগে থল্লহুনা মপাম্নি ওইনা পোক্লে। পোকপা হুম্নিংকী অহীং তাংলৌ অথেংবা মীচিক শারাঙখোল তাহিত্রবা মতমদা হানশিরবা মপাম্নি নাউমাহু চরে ক্লিনা চেকশিন্না য়োমলগা কেগে কনা

খণ্ডহন্দনা লমলেন চীংঙ্গুংশোই পম্বক্কা থনম্লগা হল্লকই। অহীং অচু হৌথ্রগা নোংঙানবগী অমুক য়েন্দা অঙনবদা ফ্‌বাল্লাদা লৈবা নোংবান চাউবনা লোক্কাক্কা লু কাইবা লাকপদা খেংনহুনা ঙুংশিরবা নাউরা অচু খেংনহুনা কৈবম্লনা পম্লগা মম্লুম তাম্লা পুরক্ত্‌না মপারি শক্লা নাউ-য়োকচখি। কৈবম্লনা পুবকই হায়বগী মপারিগী মমিংবু কৈরোইজাম্বা থোনখি। চিংঙ্‌ মানা তমখিবা খোযুম মানা শিনখিববু তাইবং কনানা খঙবা ঙমগনি। চিংঙ্‌ পরৈ চেৎচগী খোয়ুম লাইনীং চুমজবী অরাই লৈমনা মশাবি মুংয়াংচাউবনা শাইওনব পুরেম্বনা কবুই শলাং চীংশাং লোইপোৎ থৌবা চৎখিবগী পাউ তাবদা মোইবাংদা হল্লকপদা খেংনগে খল্লহুনা ঙাংখ খুনম্লাইদা ঙারহুনা লৈখি। অম্বম্লা অরাই লৈমগী হৌখিবা রারী তারবদা মপুক্লিংদা চিংনরম্বা রাইম্ন মোরী থৌদনবীদো চিংনবা কোক্ত্‌না মশাবি কদনবদা রারী মখা লীথবিরো হায়জখি :

খোয়ুম লাইনি নমু তাইবং মীনি খঙত্রবস্থ ঙুরাগী চে'লৌ শক্তম উবদা তালোয় শীংদা চনগে লুমলেন লাদা য়েকে খন্দুনা পুজরকপা অরাই লৈমবু নিংথৌনা পায়মা খোয়দাহুনা লৈমরেলশীংদা চনগদবগী নমহুনা লৌহৌবদা অরাই লৈমনা মশানা য়ানিংদহুনা কপ্ত্‌না লৈহৌবা, মপুগী কা থোকখিবনা পুরেম্বা মাস্থ পাঙ্গল থোকপা য়াদনা কায়না মৈশা লাংহুনা অবা মায়য়োং লুয়াক্লা মরানয়াইদা হল্লকই। চিংঙ্‌ থাংজীংবু পলেপনা তালোয়শীংদা চনগে খনজবা অরাই লৈমগা কায়নবগী ঙুংঙাই-তবা রাখলনা পুরেম্বা চাবা থকপা চঙখিত্রে, মপালদা থোকখিত্রে, বেগৈ কংলা কাখিত্রে। অরাই লৈমবু লৈমাশীংদা চম্লনবা কেগে অঙম্বশিংগা রা তাম্লরকপদা পলেম পম্বৌ শকখঃদবা পারি পুরি শকনাইদবা চম্লু নিঙোলদি লৈমা নিংথৌ কোন্দা খোঙদাবা য়াদবনা নিংথৌগী পুক্লিং লাংঙক্লখি। মতম অসিদা কেগে ঙাংখ লৈকায়দা লৈবা অহল ওইম্নবা ঙাংখলাকপা অঙম্বনা নদাইরেম্না পোকচবী ইমোম ওইজরগে ঙসিদগী ঙাংখ শাগৈদা তিনহনবিরো হায়জবহু নিংথৌনা য়াবিরে। ঙাংখলাকপা অঙম্বগী মমোমনি খঙনবা ঙসিদগী ঙুয়াগী কোলোয় মিংলেনদি ঙাংখচৈমা

থোক্লসি হায়না মপু মোইরাং নিংথৌনা তাকপিরে। লমলেন ঙাংথ লময়াই ফোইদিং চরোৎ হাবুং মরক্কী ফংবনি কাউদনবা ফোইদিং লম্মিংচুম্বী হায়নসু মিংথোনবিরে। সুরা ঙাংথকৈমা যোইদিং হম্পিং চুরীবু লৈমরোলশীংদা চন্দুনা নিংথৌগী তালোয় অতোম্বী ওইখি।

মশাবি মমানমচা মোয়াংচাউবনা শাইওল্লবপা পুরেম্বগা কায়নবা সুমিত্তগী ঙাংথলৈমদি নিংথৌগী লৈমা তালোয় অতোম্বী ওইত্থনা অরাং অপা লৈত্রবসু সুরাগী পুক্লিং থোইদা লৈংখিদ্রে। মতম পুম্বদা অরা পিরাং পিরোইনা থুদাং পিক্ষম নাইনা কপতুনা কায়না মৈচাক সুংদা ফুম চাদ থক্কনা লৈবকপনা থাজগুম ফজরম্বা মায়থোংত্থ অরাবা মায়হিং কত্থনা যেব য়াশিল্লক্রে। লৈমা কোন্দা যাহিপ্পা নিংথৌ কোন্দা য়াতাবা লোইদাম থানা থনিক লাহৈ কুন ওত্রকপদা লাইবকচাউবী ইবেম্মা লৈমা তালোয় অতোম্বী ঙাংথলৈমদো হৈরাং মক পনথ্রে। পাউত্থ তাবদা মপু মোইরাং 'ন থৌদি সুংঙাইবগী ঙমথৈ লৈখিদে, সুরা ওইবী মহাক্তি নীংবা কায়ত্থনা অয়ুক সুংথিল সুমিদাং থাক্তনা কপতুনা লৈথ্রে। মশানৌ কায়না মৈচাক্লা পুরেম্বা মানা অরা মৈশা লাংলিবা পাউ অসি নিংথৌগী নাকোং য়োৎথ্রে। মপু মসু মদাইবেম পুরেম্বগী রাথলদা পোথাক্ষম খংখিদ্রে। কেগে পোকপা শোরারেল চিংঙু থাংজীং লাইনা কায়না মৈশা লাংলবা শাবি শানৌ অনিনা নীংজবা পুক্লিংবু উবিত্থনা থোয়ুম নানা থৌজানবিবগে থরকলে। নিংথৌগী তালোয় অতোম্বী ঙাংথলৈমনা থোইজি মিহুল লাংখিবা লোইদাম থাবুম অহুম কারক্লবদা চিংঙু থাংজীংনা লাই শরোই মাপল কৌরগা ঙসিদগী নথোয় মাপল পামব কৈরেল ওন্দুনা লমলেন তোরবুং লমজাউদা শাহিং ঙাহিং চাত্থনা সুমিং-শিংবুম থরদং লৈক্চো থৌদারক্লে। নথোয়গা মায়োক্লবা নমু তাইবংমীদমক শোকউ, কিত্থনা চেন্নবা মীদি তামত্থনা হাংকমু। নথোয় মাপলদি থুমন পুরেম্বগী মথুক্তা য়াইবী থরায় থারগা, অমুক লাইরুপতা তিল্লো হায়না থাংজীংনা ময়াথং পীরক্লে। চিংঙু থাংজীংগী ময়াথং তুংইন্না লাই শরোই মাপলদো পামব কৈরেন ওন্দুনা তোরবুংদা লৈখিবা সুমিত্তা

লৌ খোইবা খুঙ্গাগী ষণপোংকা মীগা কোম্নবা পামব কৈনা শারাক তম্বা কৈরেলনা য়াথোং লোন্দুনা য়াইবী থরায় মাঙলে। পাউ অসি তাবদা খুলগী মীয়াম্না মথুত্তা মৈহুম যোরোক পায়রগা কংলা তান্না চেনখৎনরক্লে, মপূ খুরা খাদা পামব কৈ মাপল য়াথোক্লুনা খুঙ্গা য়াইবী মাঙলে হল্লৎলক্লে। শাবাউ তাবদা নিংথৌনা য়াইবুং হঙ্গবা কৌরগা শাবুং য়ৈহল্লে। কংলাগী পুংখোল তাবদা লৈকায় লাকপা নিপালনসু মাগী মাগী লৈকায়গী পুং য়ৈহুনা শাবাউ চেল্লে। শাবুংখোল তাবদা লৈবাক্কী অঙম অথৌ কয়াইবা পূম্নমক খুৎলায় পায়রগা কংলা তান্না চেনখৎনরকলে। নিংথৌগী সনা য়াথং মতুংইন্না লৈবাক্কী অকন অথৌ পূম্নমক খুৎসু খুৎলায় পায়রগা নিংথৌ মশামক মাওনা তোরবুংদা পামব কৈরেন ফানবা খোঙশাল্লে।

লমলেন তোরবুং লমজাউগী তেরা খোংশাংবী য়াংবীদা কৈবল শাহুনা লৈবাক মীয়াম্না কৈ ফানবা শেম শাহুনা লৈনখ্রে। কৈবল য়াংমদা শারিবা অরাংবা শগাইগী মথক্তা কৈ ফাবা য়েংগদবগী নিংথৌ কাখৎলে লৈবাক্কী অকন অথৌ ময়াম্না মথুত্তা খুৎলায় পায়রগা কৈবল মমুংদ চঙশিনগ্রগা শমজি খায়নহুনা মায়কৈ মরিদগী লোংউপ তানবগুম তকশিন্নরক্লুনা কৈ থিবকপদ, কৈ মাঙংগ্রে থিবা ফংদ্রে। মীয়াম্না ভকচান্নহুনা লৈরিঙৈ মতমসিদা ইখঙ খঙহৌদনা কৈবল য়াংমদা পামব কৈ অহুম্ম ভংহুনা চেপ্লোয়কপা উবদা অঙম অথৌ মীয়াম পূম্নমক কায়হুনা চেন্নরে শগাই মথক্তা কমলিবা নিংথৌসু কৈনা লাঙ্গোই চেনখ্রে। নিংথৌ হাংক দবগী কৈ অহুম্না ভংহুনা শগাই তম্না চোংখৎলকপদু কৈবল মমুংদ লৈরিবা পুরেম্বনা উবহুনা কৈবল য়াংমা লান্না চোংলকতুনা কৈগী মমাঙদ লেপলরে কৈনা পুরেম্বা তম্না হোংচিল্লকলে। পুরেম্বনা হাকথং তাঃ থুহম চেংন পায়রগা কৈগী মমাঙদা খেংগৌ চোংল চোংলহুনা পামব কৈ অহুমগা শাথেংনরগা পুরেম্বনা খুৎলৈ থ‌ুনা তাখোক্লা কৈ অহুমদু মৈহুন মথ্যাং থ‌ুদেকলে, চেনবা ভমদ্রবা কৈ অহুমদু ভানা লেংহুনা হাংতোক্লে পুরেম্বনা পামব অহুম হাংলে হায়না লাউরকপদু তাবদা লোৎতুনা লৈরম্ব মীয়াম থোরক্লরে। মদাইরেম পুরেম্বগী মথৌনাদু উবদা নিংথৌন পেনখিরহুনা তোরবুং থ‌ুমথোং মাপল, লোক্তাক শোইমিং মাপল মন

ওইনা পুরেম্বদা পীরে। কেগেদা ফমখোল মাপল কাজরো, পে অরাংবা খনজরো, চরৈ ফিজোলস্থনা শেৎচরো মপুগী কোকখোন ফংজরো, তোংজৈ খাবুম থকচরো হায়না লৈবাক মীয়াম মমাঙদা নিংথৌনা মনা মথ্ম স্থনা পীবিরবদা মীয়ামস্থ পেম্নরে, পুরেম্বস্থ হরাওরে।

অস্থন্না পুরেম্বদা মনা মথ্ম পীবগী হরাও স্থংঙাইনঙ্গনা লৈরিঙৈদা মফম ইখঙ খঙহৌদনা পামব কৈ অছুমনা ঙংল ঙংলঙ্গনা কৈবল রাংমদা চোংখোরক্লে। কৈ অছুম অঙ্গনা মমৈ লৈপাক্তা ফ্ঙ্গনা মমিং তরুক অঙ্গনা চাগদবগুম য়েংঙ্গনা লৈবঙ্গ উবদা মীয়াম কায়ঙ্গনা অমুক চেম্নরে। মপু মোইরাং নিংথৌস্থ শগাই কাবা নংহৌদঙ্গনা শগাই মখোংদা লেপঙ্গনা লৈরে। মতম অসিদা থৌনা ফরবা পুরেম্বনা অকিবা লৈতনা মনাক্তা যুংলিবা তাঙ্গ শংলগা খুঙ্গম চেংনা পায়ঙ্গনা পামব কৈ অছুম অঙ্গগা শাথেংনবা হৌরক্লে। চাউবা থোংলেন অনিস্থ তৌফম খঙদঙ্গনা নিংথৌগী মনাক্তা লেপঙ্গনা থৌগল তৌঙ্গনা লৈরে। পুরেম্বনা কৈ অছুম অঙ্গস্থ মতোমদনা নমঙ্গনা হাংলে। মঙ্গ উবদা পেল্লঙ্গনা নিং-থৌনা মনাইবু চেংনা কোনবিরগা 'ইদাইরেম! নহাক্তা নিংথৌ ঐগী থরায় কনবিবগীদমক্তা ঐ পেলে। শানৌতোন চিংথু নহা তেলহৈবনা ফংফম থোকপা ফম পুন্নমক্তী মকোক থোংবা 'কংলা নিংথৌবা' হায়বা ফমলেন অসি ইদাইরেম নঙোন্দা নিংথৌ ঐনা ঙসি লৈবাক মীয়াম মমাঙদা হাপ্পবনি হায়রক্লে। নিংথৌগী চানবিবা ময়াথং তাবদা লৈবাক্তী ফম্নাইবা অঙম অথৌ পুন্নমকস্থ হরাওনখি। মমল নাইত্রবা মনা মথ্ম, ফংঙমত্রবা ফমখোল ফংলবা ফাওবদা পুরেম্বদি মপুক্লিংদা স্থংঙাইবা অপেনবা ফাওখিদে। ঙসি পুরেম্বনা থৌনা ফনা য়াইবী মথরায় পাম্ন-দনা পামব কৈ তরুক্তা শাথেংনরিবা অসি ঙাংখলৈমা মস্থংলাংগীদমক্তনি। মশানৌ কায়না মৈশা লাংঙ্গনা রানা পুন্সি লেনগদবগী শরুকপুদি ঙমলে নিংথৌগী মথরায় কনগে, লৈবাক্তী অরাবা কোকহনগে ঙমদবা থোক্লে য়াইবী থরায় থাদোক্লগে মপুক্লিংদা চপ স্থংনা লেপত্রবা পুরেম্বনি। শিরবা পামব কৈ তরুক অঙ্গ মখোঙ পুনশিল্লগা পাবোৎ শেমঙ্গনা

কংলা তাম্না পুগদবগী মীয়াম্না শেম শাতুনা লাংমরিগুৈদা শগাই মখাদগী পামব কৈ অহুম্না ঙংতুনা চোংথোবক্লগা নিংথৌবু শংত্রিক য়েংতুনা লৈরে। হন্দক্তি মীয়ামতু কিবদগী কায়তুনা চেন্নখিবনিনা ময়ুম য়ৌনখিবা য়াওখ্রে। থোংলেন্নচিংবা অঙম অথৌ খবদি খোঙকম লেঙবা য়াদতুনা লেপতুনা লৈরে। পুরেম্বনা শাউতুনা পামব কৈ অহুমতু নমতুনা ফাগে খল্লতুনা কৈগী মমাঙদা তা থৌশাতুনা তারোল কায়দনা পামব কৈগা শাথেংনবম্লগা খঙহৌদনা নারোন্দা চোংশিনখিতুনা কৈ অহুমতু তাখোক্লা য়েংতুনা মথ্বাং থুদেক্লগা হিংনা ফাতুনা নিংথৌদা কংলে। পুরেম্বগী মতিক মথৌনাতু উবদা নিংথৌনা পেনবিরতুনা মনাইবু মুংশিনা চেংনা কোনবিরে। অচানবা নহাক্লা কেগে লৈবাক্লী অরাবা কোকহনবদা নঙনা নিংথৌ ঐগী য়াইবী থরায়সু কনবিরে। কবিনা শাফা মনা ওইনা পীরগা ইদাইরেম নঙনা নপুকনিং থংনা পেনগদগে খনবদা ঐগী রাখলনা লাম্বা কংদ্রে। ইদাইরেম নঙনা নিংথৌ ঐগী ইকমদগী নপুক্লিংনা তাবা অপাম্বা লৈবরসু চিংনবা লৈঙনা হায়বা পীরগে হায়না মবুধৌ থাংজীং পন্দুনা শরি পন্দোল লোম্লকলে। মপুগী মুংশিবিবা য়ারাতু তারগা পুরেম্বা মচিন্দদি কাংথোকপা ঙমদতুনা মিংলুদা পিরাং শিম্বনা মরু হুক্লা চঙশিল্লক্নুনা নিংথৌগী খুয়া থাদা নদাইরেম্না পুকনিংনা তাজবা অপাম্বা করিসু লৈজদে হায়না খুরুমতুনা হঙ্গংলকলে। মদাইরেমগী মপুকনিংগী য়ারাবু খঙবি উবিবা মপুনা চানবিবগা লোয়ননা মুংশিদিরতুনা মনাইবু য়েংলগা "ইদাইরেম। ঙসি কেগে মীয়াম মমাঙদা নিংথৌ ঐগী য়াইবী থরায়বু হন্না হন্না কনবিবসে ঐ পেল্লে। ঐগী থরায়দগী হেন্না মুংশিনা থমজরবী লৈমা তালোয় অতোম্বী ঙাংথলৈমা কোইদিং লম্মিংচুম্বীবু লৈমশীংদগী লৈচা শেংলগা ইমোম শক্লা ইদাইরেম নঙোন্দা থাজরবনি। ইদাইরেম নঙনা মরাল লৈজদ্রবী মুক্তা মাবু হৈরাং চান্নখাক্লি, লৈরাং চিন্নখাকনি পায়মা মুংদা চিংনরবদি নিংথৌ ঐবু হাংপা শকউ" হায়রকলে। মপুগী মুংশিবিবা য়ারাতু তারগা মুরা মমুংলাংগীদমক্তা কায়না

মৈশা লাংলিবা পুরেম্বদো কোংয়াং রাপুম তাবগুম মপুগী মখোং কোন্দুনা নোং খোংবগুম কপলক্লবদা নিংথৌনা মনাইবু কোনখৎপিরে। নোংতাল্লগা চামা চামনা খুজিং ওইরবা অউন পোৎয়ামগা নিংথি তাংব পামহৈবা অউন ষণগা লোয়ননা তাংখলৈমবু পুরেম্বগী মরানয়াইদা থিন-বিথি। কা মাপলগী যুমজাউ, হোজং ফৌগৈ শীংগৈ, ষণগোল নাইকোল সুনা শাবিরে। মতম খরা কায়নরুরবসু পুরেম্বা তাংখলৈমা অনিদো অপাম মুংশি রায়থুংনরবদা হরাও মোমোন য়াক্না তম্না পানভথি হৈরাং মক হুনখিবী তাউজিং মমি তমখিবী তাংখলৈমদো লোইদাম থাবুম তবা মপুং ফারহনা মযোম অমা ফংজরে। মযোম পোকপা মুমিৎ অসিদা পুরেম্বনা সনা খাতেল অমা কত্রং ফিয়োম তরেৎনা য়োম্লগা নিংথৌদা কৎলি। নিংথৌনা হাংদোক্কুনা য়েংবদা খঙলহুনা ইদাইবেম নহাক্না ঐগোন্দা কৎ-লিবা সনা অসি নঙগী ওইজরো। সনাবু ফিনা য়োম্বগুম নমোমগী কোলোয় মমিংদি ঐ থোনবিগে। নিংথৌনা ঈদি খমলে খঙননবা খমম্নু ফৌগে। মখোঙনা চৎনা চেন্নখিবী সনানি কাওনদনবা খোঙগী সনা পোনজেনবী' থোনগে। অহুম্না মমোমগী কোলোয় মমিং থোন-ষিরবদা পুরেম্বা পেল্লহনা নিংথৌবু থুকম্লগা মরানয়াইদা হুল্লকই।

খোংলেন পোকপা

চহী কুমজা কয়াগী মমাঙদা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা অরাং পম্বোং ঙাকলম্বা পোইরৈচা অথৌবা কাকলেন নোংদম সুজানা মশানৌ মনেম্মচা হাওম্ন কৈশিতোম্বীবু লুরাং লালোইনা হাংখিবগী মুংঙাইতবনা লাইমন ওইহনা মনুং মতম চাদনা য়াইবী থরায় থাখিবা অঙংদো চিংঙু থাংজীংগী থৌজান্দগী লম্নেন পাংখোকপোকপগী লমদমদা খোংলেন ওইনা পোক্লরে। মাবু পোকপী তাখেল চম্ন পলেম মমানা অঙাং ওইরিবৈদগী হৌনা শা-লান্দা, মমান্নবগী মীকোক খোংনবা তাকপি ওম্বিরম্মী। লমচেন্দা কাক-য়েন কৌনা উচেক্লা পাইবগুম যাংই হায়বগী মপারিগী কোলোয় মিংলেনবু লানজিংবা কাকলেন পাইবা থোনবি। মপাম্নিনা পাথং ফাররুবা মঙমদা পলেম মমানা থাংজীং চীঙোন খোংনাং লাইকোন্দা থনম্নগা লোম্না চংখি। পম্বৌ মশক খঙদবগী মুংঙাইতবনে পলেমনা হুন্দোক্লহ্নগী শাউনিংবনে খোংনাং লাইকোম্নগী থোরক্লগা হয়িংগুম্না শাউনা ঙংহনা থাংজৌং লাই-মাঙদা ফমহনা লৈরম্বহ মীয়াম্না থেংনহনা ফারগা নিংথৌদা কংলি। মুমিং অহদা মাগী মমিংবু নিংথৌনা হয়িং সুজা থোনখি। মপাজল কনবা মথৌনা লৈবা অথৌবনি খন্দুনা শাথেং লাম্থেংনহল্লি। লাইরা তিনরা হৈবা লাইরুপ লাইশক খঙবনা তিলমু লাইমু ফত্তবা লাইয়াম লাইতাইনংবা কেগে পম্বো' ঙাকহল্লি। নিংথৌগী য়াথংনা লৈবাকী থৌরাম পুই হায়হনা থৌরেন হায়নবদগী মমৈথংদা মাবু খোংলেন কৌনখি। কেগেদা থাঙম্ন হৈবা অথৌবনি, মোইবাংদা পাউরোই হঞ্জবা অঙম্বনি। নোংয়াই পুরেন্বা অমদি কেগে খোংলেন অনিসি শামান লেংমাম্নবা মরূপনি, মাপা তাম্বা কাওরেল যণগুম্বখি। মপাজল মথৌনা লৈম্নবা মরূপ অনি অসিনা মপু মোইরাং নিংথৌগী য়েংথাং-ওইথাং ওইহনা কেগে মোইরাং লৈবাক ঙাক-শেনবনা লৈবাক মরা ভপ্না ঈংনা পানবা ওমই।

শাইওনগী য়ারী তাজয়িবী য়াইন্নু মোরী থৌদনবীনা মশাবি কদনবা য়েংলগা, 'শাবি ইবুঙ্গো ঙাইবিথো। মপোক অমদা থোংলেম্মা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কাকলেন নোংদম সুজা কৌদুনা অরাং পম্থোং ঙাকজি-ঙৈদা মশানৌ মনেম্মচা হাওম্নু কৈশিত্তোদ্বীবু লুরাং লালোইনা হাংখিবগী লুংঙাইতবনা লাইমন ওইদুনা মম্নুং মতম চাদনা য়াইবী মথৱায় থাখি হায়না তাকপিখিবত্থু থোংলেন অঙম্বগী হৌখিবা য়াখিত্থু হায়া লৌহিযু তাঙ্গগে' হায়বকলে। মশানৌ মনেম্মচানা থঙনিংলিবা য়াকমত্থু থঙহল্লগে খল্লদুনা য়াইন্নু লাবা কদনবনা মপোক অমদা থোকখিবা কাকলেন নোংদম সুজা অথৌবগী থৌদোক য়ায়ীবু মশানৌগী মফমদা লৌবিরকই। অত্থুঙৈ কুমজা কয়াগী মমাঙদা পুবিৎলাই লাইযু অতেংবা পুন্সিবনা কেগে মোই-রাং লৈবাক্তা নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা লৈবম্বা ক্যাং লাইবগী মপাবি খোয়োন কাপপি কাকলেন অথৌবনা পোইরৈ মৈত্রবাক থাদোক্লগা মোইরাংদা শাইদাংদুনা মপু মোইরাং নিংথৌগী য়েংথাং ওইনা অরাং পম্থোং ঙাতুনা মণীং মখা হুম্মা পানখি। মহাক্কী লৈফমদি কেগে ঙাংথ লৈকায়দনি। খোয়োন মোংবা ময়ুম থায়না খুন্দাবা অথৌববু কেগে লৈবাক্কী অরাং পম্থোং ঙাকহনবগী মরমদি খুন্দাই লৈতাইনবা লুরাং অমদি লমলোন্নবা খুমননা মোইরাংদা লান্দারকপা ঙমদনবা থিংহনবনি। মোইরাং থাঙ্গী লৈকায় লমলেন থামৈকোন পুংদা লৈবা কাকলেন মাগী মরূপচা মপুগী ওইথাং ওইরিবা লৈবাক্কী মাইবরেল নিংথৌগীদি মাইচৌ হঞ্জবা খুমু লৈরিজাংনা মখা পম্থোং ঙাকই। মাবু মখা পম্থোং ঙাকহনবগী মরমদি মোইরাংগী খা থংবা মায়কৈ অসি তেলমু লাইমু কনবা লাইশক লাইরূপ য়াম্না খুনদাবা মকমনিনা খোয়ুম লাইশক খঙবা মাবু তিললম লাইলম থিংহনবনি। অসুম্না অঙম অথৌ ময়াম্না ঙাক-শেন্দুনা মনীংচম্না পানবা কেগে মোইরাং লৈবাকনি।

মতম অত্থুদা লুরাং লৈবাক্তা থানজেক শোকনাইবনা লমলেন লম্মাংদোংবা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বা। নিংথৌ মহাকথক্তা লুরাং শঙলেন মোংবা খুমজাউ মিংথোনবা চাউরবা শঙ অমা লুরাং মীয়াম্না

শারম্মী। অচৌবা শঙলেন অসি হোঙবদা য়াওরৌ শারমস্থনা লেমলৈ ঙারম স্থনা ফারগা শাহোং ঙাহোংলবদি লুরাং লৈচাউগনি হুংবাম খুনজাউগনি অরাং অপা লৈরোই ফাওরকপা চিংঙু লাইপাউ তাবদা নিংথৌনা মনাই লুরাং লালোই তবেৎ কৌরগা য়াওরৌ শারম শাশিং স্থনা ফারুরো. লেমলৈ ঙাবমস্থ ঙাশিং রাৎপা য়াদে তাকপিরে। লালোই তবেৎনা কোবৌ শিংবুম হুমনি চুপ্পা শাক্কা রাঙম তঙ্গদা লেমলৈ ঙারমদি শুনা ফারে। য়াওবৌ শারমদি স্থনা শাফাবা ঙমত্রে। মমৈথংদা য়াওরৌ শঙাই লাবা অমত ফারগা মঙক কোম্লোই লাংহুনা মপুগী নাক্কা পুরকই। লুরাং লালোই তবেৎনা য়াওরৌ শারম স্থনা শাফাবা ঙমত্রবদা থানতেক শোকনাইব, নিংথৌনা লালোই তবেৎকী লুচিংবা লালোই হজবা চাউবা কৌশিল্লগা নাপা চিক্লা পাওমেন্নরকই, লুরাং ঐখোয়বু ওং-নৈবিবা কেগে লৈবাকী অথৌবা অরাং পম্বোং ঙাকপা কাকলেন নোংদম স্থজাগী তাংজা লুবেনতোম্না য়াওরৌ শারমগী শাছৎ শিন্দুনা লুরাং শঙলেন হোঙলবদি ঙাহোং চাকহোংগনি তাকপিরে। নিংথৌগী য়াথং তাবদা লুরাং লালোই হজবা চাউবা লুরাংচাহু হোয় পাউথুম পীবা ঙমদনা তাংজ লৈদা লুকুনা লৈ। মদাইরেম লালোই হজবগী মপুক্লিংদা চিংনবা অকিবা মতৌহু উবদা নিংথৌনা তমুম লালোই অচানবা। পায়মা হুংদা চিংনগমু, অথৌবা মাগী তাংজ লুরেন লৌবা ঙমত্রবস্থ কাকলেন মাগী তালোয় হাওমু কৈশিতোম্বীগী লালু চোমায় লৌরক্লবস্থ অথৌবা মহুৎ শিনবা য়াগনি তাকপিরে।

ফনেক খোইদোম শেৎশিঙৈদগী হোনা তালোয় শীংদা চনগে লুমলেন লাদা য়েক্কে খন্দুনা থমজরিবী লুরাং চমু শকহেনবী হাওমু কৈশিতোম্বীনা লুরাংগী মপা মপু মরূপ মপিজাগী মমাঙদা ইকায়বা পীরম্নগা কাকলেন নোংদম স্থজা অথৌবগী তালোই শীংদা চনখিবগী হুংঙাইতবা মলোম্না লমন শিংগে খল্লিবা লুরাং লালোই হজবনি। নিংথৌগী য়াথং ফংলবদা মাগী নীংবা থুংলগনি খন্দুনা হয়াওনা থাঙলেম ময়া অপাবা চিক্লগা শরি পম্বোল লোয়রকপা মদাইরেম লালোই হজবগী শরি য়াশক

তাবদা নিংথৌ নথরায় মুংঙাইখি। নিংথৌগী য়াথং পুরগা লুরাং লালোই অথোবা তরেৎনা মখুৎতা খুংলায় পায়হনা কেগে মোইরাং পাংলক্লে। কোরৌ মানা তাখিবা মালেন নৈনা মমশিল্লকপদা লুরাং লালোই তরেংতো কেগে ঙাংখ খুল্লক শমহনা কাকলেন নোংদম সুজা অথোবগী মোংবা মরানয়াই তাম্না লাক্লগা য়ুমগী অকোয়বদা লৈরিবা খোঙবান্দা কুম্নগা নাশোন পিক্লা অহীং চুম্না লানলুমহনা লোৎতুনা লৈখি। ইমুং মমৈ রায়রকপা নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা কাকলেন অথোবনা মপারি নাউরা পোকপা মঙানিসুবা নুমিত্তা য়ুপান থানবা লেমলৈ ঙারম কারুগে খম্নহনা মোমসু তালোয় হাওসু কৈশিতোম্বী য়েংলগা পাওমেন্নরকই। "ইশানৌ ইনেম্মচা কৈশিতোন! হয়েং অয়ুক অঙনবদা পারিগী য়ুপান্নবা লোক্তাক পাত্তা কুমহনা লেমলৈ ঙারম খিরুগে। নশাবি ঐগী হৈনা ইতুংদা কেগে কনাগুম্বনা থোংজি নাতৈ কাংঙ্, চারগী পোরোন শংলু চায়বক্রবদি ইনেম্মচা নহাক্লা রাইরা শামীরা হুয়েল লানমীরা হংঙু। রাইরা শামীনি খুম্নক্রবদি থোংজি নাতৈ কাংগনু চারা পোরোন শংকনু"। অসুম্না মশানৌ মনেম্মচাদা নাপ্পা চিক্লা পুকমেন পাওমেন্নবত্র য়ুমগী ফক্লাংদা নপতুনা লুনলিবা লুরাং লালোই তবেৎপী অহল লালোই হঞ্জবা চাউবা লুরাংচানা তারে। অয়ুকী য়েন্দা অঙনবদা কাকলেন নোংদম সুজা অথোবদি নৌরেন লেংদা থোংহনা কেগে লোক্তাক রাংকুরেল তম্না লেমলৈ ঙারম খিবা চংখি। কাকলেন অথোবনা চংগ্রবদা লুরাং লালোই হঞ্জবনা লালোই তরুকপ্ কৌরুরগা নাশোন পিক্লা য়ুমগী মাঙোল তম্না কারক্লে। লুরাং লালোই হঞ্জবনা কাকলেন শাহনা মখোল শেম্নগা হাওসু কৈশিতোম্বীবু কৌরকই। "ইশানৌ ইনেম্মচা কৈশিতোন! নশাবি ঐনা লেমলৈ ঙারম খিবা চংপদি তুঙোন পুবা কাউরমলে। থোংজি নাতৈ কাংলো চারা পোরোল শংলো।" মশাবিনা তাকপিরম্বা মতুংইন্না হাওসু কৈশিতোম্বীনা তমব নঙবু কনানো, রাইরা শামীরা হুয়েল লানমীরা হংজরকপবু লুরাং লালোই হঞ্জবনা মখোল শেম লগা'হুয়েন লানমীনি' খুমলকই। চিংঙ্ মাগী নোংদমখোল থোয়ুম মানা তমখিবনা মশাবি মমানমচা কাকলেন

অংথোবগী য়ারা খোনফম ওইরবোই নংঙ্হুনা হাওম্নুনা চায়া পোয়োন শক্নুনা থোংজি নাতে কাংলুবদি মশাবি কাকলেন ওইবমদ্রে, লালোই হঞ্জবা ওইরমলে। শাক্তি লানফি ফিমুনা খদাংচেং শাক্তুনা মথুংতা থুংলায় পায়রগা চঙলকপা লুরাং লালোই তরেং উবদা মীপাইরে হাওম্নু কৈশি-তোম্বীদে। । কিবনা মশা নিক্লবী নিংদোল চেংগুম চেংগানবনী মোমগু লাইবক চাউবীনা হিক্লা হিক্লা কগ্নুনা য়ারা মপাউ মেনজহকই। 'লুবাং ইবুংঙাই অংথোবশিংও। লুবাং চম্নু ঐবু চেংলৌ ইশক য়েংনা মুংশিম্মু, নপারি নমোম শাংনরিবা ঙাক্তনি। ঐদি ইপারি শাংপা ঙসিগা থানা কোবৌশিংবুম মরিনিদা মঙাইরি।

হাওম্নু কৈশিতোম্বীনা হায়জনদো মীমুংশি খঙদ্রবা লালোই তরেংনা তাবিবগী মহুত্তা মুরাগী শমলাং পায়রগা মালেম থক্তা চিংথুরে। পায়মা লৌশিং চাউবী মুরা কৈশিতোম্বীনা মথংলেন কাকলেন হল্লকপা ঙাইরগে খগ্রহনা তি ডিগুম লাংওন্না থাবাগুম উনবি পুক্লিং হুন মুবা মপাউ মেনজরকই। "লুরাং ইবুং ইপাশিংও লাইবক চাউবী নচল ঐদি তরা চবুক লাম্বনা উনবি চক্কম তিংবনা নিংশা শোর হোনবা রারে। ঐবু য়াইবী থরায় লৌবিগে খল্লবস্নু রাংলেন মিকুপ খরদি ঙাইবিখো, তবা চাখোম খবদং চাজখিগে" হায়বকপা কৈশিতোম্বীগী মীনম্বা য়ারাগু লালোইশিংনা থাজরে। মুরা যাম্নু লুরাং চম্নু ইচলনি, তরা চাক মবুক থম্না পীজরগা য়াইবী মথরায় লৌশি খন্নবহুনা লুরাং লালোই তরেংতো মাঙ্গোন্দা রাংলৈ অয়াকপা থক্তুনা ঙাইখি। হাওম্নু কৈশিতোম্বীনা চেংগী মহুৎতা থৌহু নূং ওইনা ফংতুনা মশাবি কাকলেন হল্লকপা ঙায়জখি। রাংলেন মতমনদি লেপ্পা লৈতনা অম্নুম অম্নুম হৌখিবনা ইম্নুং মমৈ রায়খিদুনা মীশক মীশা উরক্লবদা লালোই হঞ্জবনা কৈশিতোম্বীগী মনাক্তা চঙলকপদা চেংগী মহুত্তা থৌহু নূং ওইনা ফংলম্বহু থেংনরুরে। লালোই হঞ্জবদো শাউবনা ময়া করক করক চিকতুনা কৈশিতোম্বীগী মথাম্নুংদা পম্লিবা মপারি নাউরা চাউদ্রিববু মুম্লগা পূকচেল ফজ্রবী লৌনম চাউবী অসি লালু চোমায় লৌয়ো হায়না লালোই তরুক্তা য়াথং পীরক্লে। লালোই

হুঞ্জবগী য়াথং ফংলবদা লালোই অতোপ্পনা চঙশিল্লক্তুনা নাকন্দা য়াল্লিবা মথুংস্থ থাঙনা কৈশিতোপ্পীগী লাম্নু চোমায় ককলে। তাংজ লুরেন য়াঙদ্রবা মুবাগী হকচাং পোল্লাংদো ঈঙাং পাক্তক্লা ঈমু পামফেল্লা লক্ মতুপ তাবগুম য়ুময়াইদা তাহ্নুনা লৈরে। হংঙা হংঙা কপলিবা মপারি নাউরা চাউদ্রিবহু য়াইবী মথরায় য়াঙদ্রবা মমাগী মথাদা থম্বিরমলগা হাওন্নু কৈশিতোম্বীগী তাংজ লুরেন পুহ্নুনা লালোই তরেং অহু লুবাং লৈবাক পাংখি।

খোয়োন কাপপি অংগৌব কাকলের নোংদম স্থজানা মপারি নাউবাগী য়ূপাননবা লেমলৈ ঙাবম সুনা ফাবগা মোংবা মরানয়াই পাংলকই। মাঙ্গান কাখংলকপদা থোংজি নাতৈ কাংহ্নুনা লৈরম্বহু উবদা কাকলেন মুংশাথীবগা লোযননা থুনা য়াঙনা ইমুংদা চঙলকই। য়ুময়াইদা মশানৌ মনেম্মচাগী তাংজা লুরেন য়াঙদ্রবা শামু হকচাং পোল্লাং অহু চংবী লক্ মতুপকুম তাহ্নুনা লৈবিবহু উবদা মথুংতা পায়বিবা তুঙ্গোন লংথোক্লগা চেনশিল্লক্তুনা মশানৌগী শমু হকচাং কোল্লগা নোংখোং ফুনা হৌরকপা ঈঙা নোংগী মতৌগুম মিংলু পিরাং শিম্পুনা মখোল থোক্লা কপলক্লে। "ইশানৌ য়োইবুনাই কৈশিতোন মোমন্থ ইনেম্মচা মুংশিবী! নপারি নাউরা অপিশকপু খোমলাং ঈনৌ হানবিদনা শানৌ কৈদা চংলবগে? চিংঙু কনাগী থৌশিলনা খোযুম কবম্বগী নোংদমখোঙ্গন মন্নুং মতম চাদনা মুরা যাইবী মাঙবনো?" অস্থুম্না ঙাইহাক তেংথা নাউরোইরমলগা কাবলেন নোংদম অখৌবনা রাইরা শাশিং গুববা হুয়েন লানশিং য়ামলবা খোক্লাং মাগী তাদোমপোক তিমেন তাদি পায়খংলে। হুয়েন থাঙকক শোইফদ্রবা থাঙলেন মাগী মথুংস্থ নাকন্দা য়ানশিল্লে। চুংলেন মন্নুং চংস্থ মঙক্তা হুকচিল্লগা হুয়েন লানলাউ লাউহ্নুনা মশানৌ মনেম্মচাগী মংশক তানবা থোরক্লে। তাংজ লুরেনতোন পুখিবগী মালেম লৈমায়থক্তা ঈথেং তারিবা ঈগী ঈরম মতুংইম্না মশানৌগী মার খোঙ্গুল লীহ্নুনা হুয়েন লান্দারক্লে। লুরাং লালোই তরেংতি শরি রাশক মতোল লোম্বগী হরাও মথোই কাহ্নুনা অফ ফত্ত রাথল তুংওইনা রাংলৈ অয়াকপা থকচিনবদগী মকোক ঙাওহ্নুনা মখোঙ থাঙবা ঙমদহ্নুনা ময়ুম লুরাং য়োদ্রিবৈ য়াংদৌ নম্মখাংদা

নীংঙাইবা লৈতনা খোমলেন য়াত্তাহুনা লৈথোকলে। কেগে অথৌবা কাকলেন্না মশানৌ খোঙ্গুন লীবকপদা লুরাং লালোই তরেংনা মথুংস্ু তিমেন তাবু মোনথাংনরগা অশিবগুম নীংঙাইদনা খোমলেন য়াত্তারিবন্থু থেংনকরে। মশানৌ মনেম্মচাগী তাংজ লুরেনতোনবু চবৈ ফিনা য়োমহুনা লৈবন্থু উবদা থোয়োন কাপপি অথৌবা মপি তাথিবা খঙহৌদে। অশিবগুম য়াত্তাবিনা লালোই তরেংঙো মকোক মকোক নকশিন্নবগা লতুং শঙবুন চেংনা পুল্লিনা মশমন্থু থোন্নগা শমজাং মতোল মতোল চেংনা কিশিন্নরে। কাকলেন অথৌবনা মথুংস্ু তিমেন তাথোক্না মনঙ্গন্দা ফুহনা হৌদোকপদা শমলাং মতোন কিশিনখিবনা মখোয় মশেল চিংনহুনা লৈরে হৌগংহুনা চেনবা য়াদ্রে। হায়ফম তেঙ্ক্লম খঙদ্রেগা লুরাং লালোই তরেংঙো কিবনা মশা থক থক নিকহুনা কাফলেন্দ শংত্রিক য়েংহুনা লৈরে। কাকলেন্না থিন্দনা মথুংস্ু থাঙলেন্না লালোই তরেংকী তাংজ লুরেন করুগা মশানৌগী মংশক তাম্লে। য়াইবী খরায় যাওদনা মালেম থক্তা লোংনা তারিবী মশানৌ মনেম্মচাগী নুংশিববী তাংজ লুরেংতে নন্ত্‌ ফেরা থক্তা শমলগ মথুংনা অকাবা মশমহ্‌ নাম্ববিহুনা নুংশি চেংলোবু চিংনা য়েংলুরগা চী জুম লাইজ ঈফুংথোক থিঙ্গেন লাইজ ঈনমখায়গুম মিংলু নাপোম অনিদা শিন্নরকপা পিবাংবু খিংবা ঙমলক্রবোই কাবলেন নোংদম অথৌবা নোং খোংবগুম কপথোরকলে। “য়োইবুনাই ইনেম্মচা নুংশিবী, পেমা কৈশিতোন! ইশানৌ নঙদি নপাবি নাউন্না চাউদ্রিবা তরা য়ুপান থাদ্রিববু নশাবি এরোন্দা শিন্নরমদনা খমন্থুং শরা তাল অমল য়াইথোং কুমলবোই। পুকচেল ফত্রবা মীনুংশি খঙদ্রবা লুরাং লালোই তরেংকী তাংজ লুরেন্না মোমন্থুগী তাংজা লুখা থানগে।” অমুম্না ঙাহাক চতংথানা কপলুরগা হাওম্ন কৈশিতোম্বীগী তাংজ লুরেনবু চরৈ নাহোং শানা শমু নমদা পোরগা লুরাং তাংজ লুরেন তরেংহুনা তিমেন তাথোক্না য়ানশিল্লগ, লেংথোংনহুনা অঙম্বা হোই লাউহুনা মোংবা মরানমাই পাংলবলে। মমুম য়ৌরগা লুরাং তাংজ লুরেন তরেংতো শুমাং ইচুম তাফমদা থাদরমলগা ইমুংদা চঙনকই। মশান্নি নাউন্না চাউদ্রিবা তাইবং মীরোল খোক্তবনা হংঙা হংঙা

মীকপনদ্ভুনা পলেম মমাগী য়াইবী মখরায় য়াওব্রবা শমু হকচাং অমনবীগী থিকলেন খোল্লাং অরেম্ববু নাউরাগী নখুবিগা লোয়ননা চুপত্তুনা ভরা খোল্লাং থকসম্বম্ভ উবদা কাকলেন অথোবদো থাংবা ওম্ভক্রবোই চেনশিল্লক্তুনা মপারিবু পমখৎতুনা মথাদা চেৎনা কোনশিল্লগা নোংলেন খোংবওম মখোল খোক্লা কপলকলে। "পারি ইবুঙো মুংশিবা অঙাং নাউরা ওইবনা পায়মা খোল্মি কংবনা লাইজ ঈখৌ লাংদ্ভুনা পলেম লৈরাং অমনবীগী থিকলেন খোল্লাং অরেম্ববু নাউরাগী শমু নখুবিগা লোয়ননা খোল্লাং ঈনৌ হাল্লম্বদ্ব নাউরা পিৎক থল্লত্রা অরাম খৌরাংবা কোল্লত্রা ? হুমিৎ মশিং ওদবনা পারি য়ুপান থাত্রি থন্দুনা ইপানা কোলোয় নমিৎ খোন্দবনি। পারি নঙনা পলেম লৈরাং অমনবীগী থিকলেন খোল্লাং অরেম্ববু শমু নখুবিগা লোয়ননা খোমচুপলম্বগী পারি নঙগী কোলোয় মি'লেনবু 'কেগে খুচুপ চৈমিয়াং, থিকলেন খোমচুপ চাম্বা' হায়না ইপানা ওসি মিংখোল্লবনি। অস্থুম্না পাওমেম্নরম্লগা অথোবা থম্মোয় পুবা ওম্ভক্রবোই মশানৌগী তাংজা নমদা পো মপারিদ্নুনা থাদা কোল্লগা হিক্লা হিক্লা কপলক্লে। মপারি নাউরা চাউদ্রিবা খুচুপ চৈমিয়াংবু চিংনা য়েংলগা কোরৌ নোংনা য়েংসম্ম মালেম লৈনা খঙসম্মইশানৌ ইনেম্মচা নগুংলাংগী দমক্কা কাকলেন য়াইরী পাম্মখ্রোই। ওমলে লুরাং মপুং তাক্লা লান-থেংনগে, ওমদবা থোকলে য়াইবী থরায় থাদোক্লে হায়না কাকংলন অথোবা শরি শন্দোল লোম্লক্লে। লুরাং লালোই তরেৎকী তাংজনা লুথা থারগা মশানৌ হাওম্ন কৈশিতোম্বীগী শমু হকচাংদো হাওশি ম'লেন চল্লে খুমুং পাউতাকলে।

মশানৌ কায়না মৈচাক্লা তুম্বা চাবা চঙজক্রবা কাকলেন নোংদম অথোবদো তাইবং চেংজেল য়ামলক্তবোই নোংমা নোংমগী শামা পাজল ময়েং তারক্লে, পুন্সি লৈমন চল্লক্লে। চিংঙু থাংজৌং লাইগী খোয়ুম শিম্বাবু শোয়ফদনা খোয়োন কাপ্পি অথোবদো পুন্সি লৈমন চল্লকপা, মপারি নাউরা চাউদ্রিবা খুচুপ চৈমিয়াংবু পাজল শরেপ ফানবা নাউয়োক নাউকোল্লু তমত্রবোই লোইদাম থানা থাশিরক লাংহৈ কুম ওল্লবপদা অনা

লাইওং খুঙদনা তৌবাং ফক্তা ওন্নে। অঙন্গা মাগী তমুম মনাই খোম্বা থাদুনা পাথৌ মরূপচা নুংশিবা তন্না চাকলুক অমত্তদা চামিন্নরক্লবা কেগে খাম্বি লৈকায় লমলেন থামৈকোনদা লৈবা খুমু লৈরিজান্না অথৌববু কৌহল্লুরে। মত্তাওনা তৌবাং ফক্তা ওন্নে লুতুং খোইবাক শানা হেদো নাহে চল্লে পাউবু তাবদা লৈরিজাম্বা অঙন্গা থুনা যাঙ্না মত্তাওগী মযুম তান্না চেল্লক্লে। পাথৌ মরূপচা নুংশিববা কাকলেন অথৌবনা লাইবেনগুম শাংনা য়'তাদুনা অনা লাইওং খুঙদনা লৈরন্দু উবদা খোয়ুম লাইশক খুঙবা লৈবিজাম্বনা মত্তাওগী য়াইবী কন্বা য়ায়রোই খুঙলবোই মত্তাওবু চেৎনা কোল্লগা খজাই লে'ওন চুপ্পা তবং লাইজ ঈন্না শিন্থন পাওমেন্নরক্লে। "পাথৌ ইবুঙো নুংশিবা। খোযুম নোংদম-খোলনা কনখিবনা অনা লাইওং খুঙদনা হেদো নাহে চল্লবোইদো"। পুন্সি খোয়বেল খঙলবা কাকলেন মাসু মত্তাওবু চিংনা যেংলগা, 'পাথৌ ইবুঙো নুংশিবা য়ামজেম লাইবক থীরবা কাকলেন ঐগীদমক্তদি পায়মা নুংওল্লগনু অরা মৈশা লাংবিবগনু। কাকলেন ঐগী ইতুংদা পলেম্না নাউয়োক্তবা, কৈরোয় লৈকায়গী পলেম শক্লবীশিংগী থিকলেন খোল্লাং-ঙনা হিংজববা পাথৌ ঐগী ঈবেমখাক খোয়োন ফৌদি চান্না পাবি খুচুপ চৈমিয়াংসে নপাবি শক্না লাঙ্গোনবিহৈবো। পাচা শালাই তাম্নবা খমলো অয়েং চেংলবা পারি য়ামাজন লাইবক চাউবসে কেগেদা লমজা ওইহনবিগনু, মোইরাংদা শাবা শকহনবিগনু' পাওমেন্নদুনা মতাও খুমু লৈবিজাম্বগী থুজেং পায়বগা নুংশিরবা মপায়ি নাউরা খুচুপ চৈমিয়াংব শমু খুংশিন্নবে। নোংখোং ফুযনা তৌবকপা ইঙ' নোংলেন নোংলা খোংনা লাউনা মালেম শন্না চুবগুম নুংশিনরবা পাথৌ মরূপচা অনিদো চেৎনা লে'গোন্নদুনা কপমিন্নরক্লে। নপাবি খুচুপ চৈমিয়াংসে লৈরিজাম্বা ঐমক্তা পোকচবা ইপারিনি খন্দুনা লাঙ্গোনজগনি। পারি মাবু করিগুম্বা নোংদা মীচাপোকনি খন্দুনা খুমু ঐনা মীরাইরবদি অমম-অঙান থায়রিবা চিংঙ মানা রাত্তেমবিসনু, থাংজৌং লাইনসু রারক চৈথেং পীবিসনু হায়না কোরৌ মাবু য়েংলগা মত্তাওগী মাদদা রাশক পন্দোল

লোম্লকলে। লৈরিজাম্বা মতাওগী রাশক তাবনে, মপাম্রি নাউরা খুচুপ চৈমিয়াংনা শমু খুবী মচাহ্নু চুপ্পু না পন্থৌ মপা অনিবু চিংনা চিংনা য়েংলগা মতাওগী কৈবা তাজিন থক্তা মখোং মচা অনিহু কাওহনা শান্নজবহু উরগা কাকলেন সুজা অথোবা পায়মা খৈনা পেল্লবোই হবাও মুংঙাইবগী পিবাংনা মিংপু নাপোম থ ন্মাংলে। মপায়িবু কৈবমননা পমলগা পারি ইবুঙো মুংশিবা অঙাং নাউরা ওইবিবা নঙবু খোয়ুম নোংদমখোল থীবনা পালেমগী ফৈবা তাজিন থক পারি ফৈনা য়াতহনা কোয়ৌ মুমিং মঙানি ফানা পলেমগী খোয়াং মায়োরকদ্রিবা তাইবং মীতম চাকসু পালেমগী খুৎনা ইনবিহৌদ্রবা মুংশিরবা পারি নঙবু থাদোক্ত না নপা ঐনা কয়ম্বা খমনুং শারা তাম্রসিগে হায়না মপারিবু মথামুংদা চেংনা কোম্রগা কাকলেন অথোবদো থম্মোয় পুবা য়াদ্রবোই মিংলু তবং ঈয়াহৌ হিক্লা হিক্লা কপ্লকলে। মতাওগী অন্নাবা মঙং মতৌহু উবদা লৈরিজাম্বা মচিন্দদি মতাওবু থেমজিল্লে, তংতনা চেম্বক্লিবা মিংলুগী পিবাংদি থিংজবা ঙমখিদে। মতাওগা ঙাইহাক পুকমেন পাওমেন্নরমলগা খুমু লৈরিজাম্বনা মপাবি খুচুপ চৈমিয়াংবু শমু নমদা পোম্বগা কেগে কংসা পাংলক্লে। মপু মোইবাং নিংথৌগী সনা শঙ্গাই মোংবা শঙলেনযাইদা চঙলক্ত না মালেম লৈমায থক্তা কোংয়াং রাপুম তাবঙুম মপুগী খুয়া খাদা খুকমলগা হিক্লা হিক্লা কপতুনা লৈখ্রে। মদাইয়েম অচানবগী মঙং মতৌহু উবদা মপু মাসু ঙক্লহুনা মনাইবু কোনথংলগা য়াম্বা মপাউ হংলক্লে। মপুগী চেংলৌবু চিংনা য়েং তুরেল লাইজ তুথুল ঈগুম তংতনা চেম্বরিবা তরং লাইজনা মিংল নাংপোম্ব থ ন্মাংলবা খুমু লৈরিজাম্বনা পাথৌ মরূপচা মুংশিবা নিংথৌগী য়েংথাং ওইরিবা কাকলেন নোংদম সুজা অথোবনা অনা লাইওং খঙদনা নাবিবা অন্নাবা থৌদোক কয়াবু মপু খুয়া খাদা হঙংলকলে। খুমু লৈরিজাম্বগী মপাউ তাবদা মপু মাসু লরাই কোকলেন থক্তা কোয়ৌ নোংথৌ লৈবাকী নোং শিংজং তাবগুম মপু পারমা উনগোইহুং অন্নাবা খাম্বী মৈশা লাং-লকলে। ইদাইয়েম কাকলেন অথোবা। নহাক লৈত্রবদি ঐদি শমু য়েংখংবা

পাম্বোম তেক্লেদো হায়রমলগা হিন্দনা মনাই মশল পুরগা কাকলেনগী মোংবা মরানয়াই তান্না মপু খোঙলেংলকলে। মপু নোইরাং নিংথৌনা থ্ংলবা মতমদদি কাকলেন মাদি থমম্লুং শান্না তান অমতগী য়াইথোং কুমম্লুনা পামেল উতুপ তাবগুম লৈরমলে। নিংথৌনা মনাইগী থরার য়াওদবা শমু হকচাংত্থু নানবিরগা, 'তমুম নঙগী শমু হকচাংনা নোংমল্লবস্থু য়াইবী থরাদ্ধ মঙাদি কোবৌ নোংদা কা চিংঙ্ নিংথৌ লৈবাক্তা রায়-থ্ংলগা খোয়ুমগী ময়াথং পুত্থুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নমু তাইবং মীওইনা অমুক পোক্লগা কেগে পম্থোং ঙাকলখো হায়না মপু মানা মনাইগীদমক্তা থুবাং চাংজৌ তরা লোম্লত্থুনা চিংঙ্ থাংজীং লাইদা নিরকলে। লৈবাক মীয়াম্না কপ লাউত্থুনা মুংশিনা কৌজবত্থু কাকলেন মাদি তাত্রবোই অমুক থুমলকথিদ্রে। হৌনবী থৌরম মতুংইন্না মীয়াম্না কাকলেনবু হাওশি ম'লেন চল্লে মখৌ য়াংগেন্নে।

থুমু লৈরিজাম্বা অথৌবনা মপারি থুচুপ চৈমিয়াংবু মুংশিনা নাউয়োক নাউকোনবিবদগী পাথং শবেপ ফারকলে। মপারি থুচুপ চৈনিয়াংনা থাঙ-তা থুংসু থুংলায়দা হৈশিংবা, লিকাপ তেনকাপ্তা থ্বত্থু উবদা লৈরিজাম্বা মথরায় মুংঙাইরে। মপা মচানা কেগে মোইরাং লৈবাকপু ঙাক শেন্দুনা লৈরকপনা লৈবাক মরা তপ্না ঈংনা পানবা ঙমথি। অস্থুন্না চহী কুমজা কয়া লৈরল্লবদা নোংমা ইথা থাজনা খোইমোম লাইরেমা য়াথনলোয় তরেংনা লোম্না কেগে লৈবাক্তা চঙলক্লে। লাইরেমা মখোয় তরেংনা হাওরে থানা পাংবা লমদগী চেক্লাগী মশক লৌরগা অহীং নোংয়াই অথেংবা মীচিক মীরাওখোল তানদবা মতমদা কোয়ৌ নোংমদোল থক্তা পাইত্থুনা থেক্লা লাউনা খোংবা হৌরক্লে। লাইরেমা মখোয় তরেংনা ওনবা চেক্লানা পাইবা শায়ম থোক্র্বা কেগে লৈকায় কয়া মোইরাং য়ুমথোং খুদিংদা মীশি মীনা থোক্ত্না অয়া অনাগী মীকপথোলনা কেগে শিমনা থ্ংলক্লে। মখোয় তরেংনা খোংলকপা চেক্লাগী মখোলনা অন্না চাগে অন্না শিরে, অনি চাগে অনি শিরে, অহুম চাগে অহুম শিরে, মঙা চাগে মঙা শিরে, তরুক চাগে তরুক

শিরে। অসুম্না লাইবৈমা য়াথমলোয় তরেৎনা ওৎ-নৈবদা কেগে লৈকায় নিপাল মোইরাং লৈবাক শীনবা থংজক্লবদা পুরিংলাইগী নাকোং যৌরকলে। লৈকায়লাকপা, নিপাল, কৈথেললাকপা মাপল ফমদৌ হুমফু মবি লৈবাক্কী য়াইতোং থমদোংবা, ফম্নাইবা অঙম অথৌ পম্নকপু কৌথংলগা কেগে বংলাদা রা থম্নবা হৌরক্লে। লৈবাক্কী অরা অনাগী পাটত্থ তাবদা মথা পাম্পোং ঙাকপা খুমু লৈরিক্তাম্বা অথৌবা থোইযুম লাইরুপ ঙাইথংবা চিংঙু লাইতাই ঙম্বা অমাইবনা খোইমোম ফত্তবা ল'ইয়াম্বু চিংঙু থাংজীং থাগোম্না শাইতানজগে হায়না লৈবাক মীয়াম মমাঙদা চোংথোরক্লবদা নিংথৌ পুক্লিং পেনখি। নিংথৌ য়াথং ফংলবদা খুমু লৈবিজাম্বনা মপুগী খুযা থাদা থুরুমলগ ঙাঙোই মপ্যুরেলনা ননাইবু খোইমোম ফত্তবা লাইয়ামবু তাইনজো তাকপিরবনিনা ঙসি কোয়ৌ মুগিংতগী তমব মুপা কুম্ত্তা নদাইরেমদা পিনবিয়ু নীজবত্থ নিংথৌনা যাবিরবদা অথৌবা মাদি ময়ুম পাংলকলে। মোমস্থ তালোয়বু কৌরগা 'মোমস্থ তালোয় ইরুম্নীও' ঙসি ইস্নুংশোই তাংলৌ অধেংবদা তমব মুপা কুনথরাগা লোইনত্থদা খোইমোম ফত্তবা লৈমা লাই-লাইতাইনরুগে. তরা চাকঙল থোংলবো" থৌদাবক্লবদা মপারি খুচুপ চৈমিয়াংনা মপাগী হৈনা তুং ইন্না পাস্থৌগী নতেং পাংজগে হায়রক্লে। মপাবি য়ারা মপাউথোল তাবদা লৈবিজাম্বা অথৌবদো থম্মোয় পেম্না হরাও-জরে। মপা মচা অনিনা তরা চাকঙল চারগা থাঙলেন নাক্তা য়ানশিল্লে তেন্দোং নমদা পোশিল্লে, লিরুং থুংতা পায়হুনা মোইরাং, খোরি কৈথেল পাংলকলে। কেগে তমব মুপা কুম্তাস্থ শাক্কি লানফি শেংতুনা অথৌবা মাবু ঙাইহুনা লৈরমলে। অসুম্না মথোয় ময়াম্না লাইবৈমা তরেৎনা লাংওনবা চেক্লা শায়াম পাইরকপা ঙাইহুনা খোরি কৈথেলদা প্লান লমহুনা লৈখি। অহৌং তাংলৌ রায়রকপা নোংমাই চবুক লোম্লকপদা চেক্লা মথোয় তরেৎতো শঙম চাউনা খেক্লা লাউনা খোংহুনা কোয়ৌ নোংমদোল নিজনা পাইরকপা শঙম তাবদা খুমু লৈরিজাম্বা অংথৌবনা চিংঙু থাংজীংবু থম্মোয়দা চেংনা থাগোমরগা শমু নমমা পোরিবা তেন্দোংদগী মহিল পাবা তেল অমা শংলপা মচিল্লা লাইশোল তিনশোন শোজুনা চিরি তেজা থোং

পাম্বোম লমজাউ তিংনা থবাক লোংনা চেক্লা শায়াম তম্না য়াইরা তেলবু তেম্মমলে। তেনজিন্দা মৈরি ফ্রি ফ্রি কামছুনা পাইশিল্লকপা উবদা য়াইবী থরায় মাঙবা তারে থন্দুনা লাইরৈমা ওনবা চেক্লা তরেংতো য়মায় ওল্লগা তেলমাং থানা হাওরৈ শঙ্গোং পাংনা পাইখি। কেগে অখোবা খোয়ুম লাইরূপ ভাইখওবনা তমব মুপা কুম্ব্ৰানে, মপারি খুচুপ চৈখিয়াংনে অরেপ্পা লৈতনা তেল কাপ্প-কাপ্পদুনা চেক্ল। মখোয় তরেংপু তাম্নখি। চেক্লা তরেংতু পনবা য়াদছুনা মোইরাং তোরবুং কেগে তোয়কাই লমখুংশিগী উরক তম্না পাইশিনখি। অখোবশিংসু লেপ্পা লৈতনা চেক্লাগী মকুং ইন্দুনা তাম্নরকপনা তোরবুং য়োরবদা ময়ুম মোইরাং লমদম তামহোরে থল্লছুনা কেগে অখোবা ময়ামদো য়াংলেন গুহাক পোথাখি। অহীং চুপ্পা পাইবদা য়ারবা চেক্লা মখোয় তরেংসু মতালোক্তা কুমছুনা লাইজা ঈশিং খবোম থল্লা থকলগা পামেল উচাংগী উকোলগুং লমলেন চেক্লাফাইদা অহীং য়ারেকখি। অপোবা ময়ামছুদি লমলেন তোরবুংদা ময়ুম থুললিংছুনা লৈখিবা মুখিং অছুবগী খুমুজাম্বগী মিংলেন লৌছুনা মকমছু "খুমুজাম্বা লমজাউ" থোনখি। মখোয়না থোনবা পুং অছুবনা খুমুজাম্বপুং কৌনখি।

অসুম্না খুমু লৈরিজাম্বা অখোবনা তমব মুপা কুম্ব্ৰাগা লোয়মনা লমলেন তোরবুংদা থুন্দাছুনা লৈখিবসিদা খোইরোম লাইরৈমা তরেংতো কেগে মোইরাং লৈবাক্তা চঙবসু তমদ লাইরৈবাক্তা হনবসু ইকায়বদগী অরাং নোংপোক পাংনা পাইরকুনা কেগে মোইরাংবু ভাক লেনবিরিবা লাইয়িংথো পাখংবগী মশাইকোন্দা চংলকুনা তেংথায়রে। কেগে পুংমায় লেপ্পা খোয়ুম লাইয়িংবো অসুম্না চিংড ইশাবি পাখংবও! কেগে চাউবা পুং মোইরাং শাংবা য়াইদা শাথি ভাথিবা চংচরুববু কেগে অমা্বা খুমু লৈরিজাম্বা অখোবনা লাইরৈমা ঐখোয়বু য়াইরা তেম্না তমছুনা য়াইবী থরায় লোপদবগী তানবিরক্লে। নশানৌ ঐখোয় তরেংপু চুংশিবিদুনা পুকচেল কন্নবা মীয়ুংশি থচ্ছবা খুমু লৈরিজাম্বব য়াইবী মথরায় লৌবিয়বদি লাইরৈমা ঐখোয় তরেংসে লাইয়িংথোগী

ননাই ওইজগে হায়রক্লে।" লাইবৈমা তরেৎনা মথরায় শোকনা কপ-লাউরক্লবদা লাইয়িংথৌ পাখংবদো থাঙবা শুমদ্রবোই লৈরিজাম্বা হাংডুনা লাইরৈমাশিংগী অরাবা কোকহনগে খল্লক্লে। লাইয়িংখৌনা তুবী লাইরেমগী শক্তম লৌ, চীরোং চীকাং হাপ্তুনা কগে লোক্তাক থাংকুব্রেল ঈশায় মাপলগী ঈন্নায় খায়না লাক্তুনা মোইরাং নানবী ফুরেলগী ঈচেল তুংইন্না কাখৎলক্তুনা খুম্ম লৈরিজাম্বা অথোবগী মরানয়াই লমলেন থামৈকোনপুং য়োম্লক্লে। পাৎংবনা লাংঙন কয়া পুথোক্তুনা লৈরিজাম্বু কিহল্লগা মাইবী লৌগে হোংনবত্থু খোয়ুম লাইশক খঙবা লাইরা তিনরা পুনা খঙলবা লৈরিজাম্বনা চিংডু থাক্তীংবু থাগে'মনা লাইহৎলোন থিংকাম কামড়না থিংলকপদা পাখ'বা চঙবা ঙমখিদে। খোয়ুম লাংঙন য়াম্বা পাখংবনা অহীং তাংলৌ অথেংবদা লৈবিজাম্বগী ঙমাং ভাম্না লাক্লগা চাউববা লাইরেন এন্দুনা অকিবা শক্তম উৎতুনা মথায়াং লাউদা কাখোক্তুনা লৈরিজাম্ববু ময়ুমগা পুম্না য়োংকে মতাঙম চুরি ইচুম ভাঘমদা ভায়ডুনা লৈরিবত্ত লৈরিজাম্বনা খঙলডুনা শাক্তি লানথি শেংচিল্লগা ইছুং ঙানবা ভায়ডুনা ইমুংদা লৈখি। নোং হেক ঙানবগা মথুংন্থু তিমেল ভাত্থু খুত্থম চেংনা পায়কপা লাইহৎলোন কামড়না খেংগোরোল চোংডুনা লানখেংনরকপদা পাখংবনা লাকচবা ঙমখিদে। লৈরিজাম্বগী মথৌনাত্থু উবদা পেনবিরডুনা লাইয়িংথৌ পাখংবত্থু মশাইকোন্দা হনখি। পাউ অসি তাবদা কেগে নিংথৌনা পায়মা থৈনা পেল্লডুনা লৈরিজাম্বদা মনা মথুম চাউদ্না পীবিখি। খুচুপ চৈখিয়াংবুন্থু নিংথৌগী য়েংথাং হাপ্তুনা মপাগী মহুৎ শিন্না অয়াং পম্থোং ঙাকহনখি। মপাম্রি খুচুপ চৈখিয়াংনা পাগী পায়েপ কংলবদা লৈত্মিজাম্বা ফুংঙাইরড়ুনা মশক মতৌ চঙথোনবী মোইরাংথম চত্থু খোইরাগা হায়ন-শীংনরগা লুহোংবিরে। খুচুপ চৈখিয়াংনা মশানৌ খোইরা পামড়না লাশিয়া কৌবা মপাম্রি অমা পোক্তম্মা কেগে খোইরাং লৈবাক্তা ফুংঙাই মাইবী মরাং কায়না পামখি।

———

চাউবা পোকপা

নোংয়াই পুবেম্বা অথৌবনা মপুগী য়েংথাং কেগে থোংলেন অঙম্বনা ওইথাং ওইত্থনা পাথৌ মকপচা। অনিনা ঙাক শেনবনা কেগে লৈচাউ খুনজাত্তনা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনা অরাং অপা লৈঙনা পানবা মতমসিদা অমম্বদা থৌদাবা অঙানবদা রায়েনবা চিংঙু থাংজীং লাইনা মনাই চাউবা লুরাংস্থু লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লগে নিংথৌগা শকখঙ মায়খঙনহল্লগে থোয়ুম রাখল তৌরক্লে। শাইঙনগী রারীবু মপুরুং চঙনা ভাজরিবী রাইমু মোরী থৌদনবীনা চউবা লুরাংস্থ হায়বসি বনানো, মাবু করিগীদমক্তা থাংজীং লাইনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহন্দুনা নিংথৌগা শকখঙনহনগে খল্লিবত্থ করিনো হংভয়ক্লে মশাবিগী মফমদা। মশানৌগী য়ারাত্থ ভাবদা রাইমু লাবা কদনবনা কেগেদা মফম নইত্থনা মপুগা পায়মা পুকতিন্না কংলা রায়েল থৌদাদা খুজি পায়রগদবা নোংবান চাউবা লুরাংস্থুনি হায়রকই। মাবু পোকপা মপানা নোংবান কোকপা রাংবা ফৌই। অপোকপী পলেম মমানা লুরাং চন্থ লুরাং লৈমনি। মহাক পলেম পম্থৌগী অমত্তা ভায়রবা মপারিনি। নহা ওইরিঙেগী মমিংনা নোংবান থাইহোন লৌথিবা কৌই। মপানা মাবু পিক্লা ছন্দোক্লম্লগা কোরৌ নোঙ্গানঞ্চবদা মাবু পোকপী পলেম মমানা মপাম লুরাং লৈবাক্তা পুরগা চাউনবা য়োকখি। লুরাংদা মতম কুইনা লৈরুই হায়বগী মাবু লুরাংস্থু হায়না খঙনৈ। পাখং ফারক্লবদা মমাগী মপাম লুরাং লৈবাক্তা লৈবা মুংঙাইত্রত্থনা মমা পুরগা মোইরাংদা হল্লকই। অঙোম শাগৈগী মপা মপুশিংনা মথোয়বু ভাক্লমদনা লুরাংদা পুরগা মতম কুইনা লৈরুই হায়বগী শাউত্থনা মমা মচাবু অঙোম শাগৈগী মরক্তা লৈহন্দবদগী ফুবাল্লাদা লৈখি। মশা মচাউ শাংবা নোয়ম পেনবা মাগী মশক্কু উবদা মীরাম্না নোংবান চাউবা হয়না মমিং থোনবিখি। লায়ব্রবনা তৌনিংঙাই লৈতত্থনা মপু মোইরাং নিংথৌগী লৈমা ভালোয় অহল য়েংখু শাংবী ইবেম্মগী ফুবাল্লাদা লৈবা লৌ পম্মি মঙাত্থ চাউবনা পাম্নরগা থা খুদিংগী মবেম্মনা চাম্নবা

চিন্দম চেং মচং চেংকোক অমমম চোইরগা পুখৎতুনা কৎলি. লেমহৌবা চেংহুনা মমা মচানা চায়। চাউবনা কোরৌ মুমিৎ খুদিংগী নোইনি থুমপোৎ লৌরুরগা মমাবু কেগে কৈথেলশিংদা য়োলহল্লি। মতমসিদা লাইরৈমা অরাই লৈমনা চীংনুংশোই পম্বক্তা হুন্দোক্লম্বা নাউরা অহু চাউবমা মপাবি শক্লা য়োক্লকপা ফেবোইজাম্বদো চহী নিপাল মপুং ফারক্লে। মোইবাংদা চাউবা নোংথোনবা হায়না কেগে লৈবাক্লা শকখঙ মায়খঙনহুনা লৈবাকী ফম্লাইবা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা ওইরকপা অকুপ্পা রারীদো মতাং চানা লীরক্কে হায়হুনা চাউবগী রারীহু মখা তাখিদ্রে।

---o---

অনিশুবা মতাং

খম্ব গোকপা

পুরেম্বা থোংলেন অথৌবা পাথৌ মরূপচা অনিনা কেগে লৈবাকপু ঙাক শেন্দুনা লৈরকপনা লৈবাক মরা ভপ্পা পাল্লকুবা মতম অসিদা নোংবান চাউবা নোংথোন ফম নাইহুনা লৈবাক্কী রায়েন থৌদাদা নিংথৌগী মতেং পাঙলকলে। থোংলেন, পুরেম্বা, চাউবা মখোয় অহুম অসি মরূপ শান্নরে। মখোয় অহুম্না ফংগা মুংহুম শানা কেগে লৈবাকপু ঙাক শেনব-দগী লৈবাক নিংথৌ মুংঙাইরে। মতম অসিদা পুরেম্বগী মমোম খমম্বু চহী তবেং শুরকলে। মমোম লাংলেন খমম্বুনা পলেম মমা ঙাংখলৈমগী মতেং পাংবা ঙম্লবদা হৈরাং মরু হুনখিবী ঙাংখলৈমা ইবেম্মা তাউম্তিং মহৈ য়াল্ল-কলে। লোইদাম থাবুম তরা মপুং ফাবা মুমিৎকী নোংয়াই চদুক কোল্লক-পদা ঙাংখলৈমা মপারি অমা ফংজরে। মহুদা পুরেম্বা অথৌবদো মুংঙাইবগী ঙমথৈ লৈখিদ্রে, শমু মথুংনা কোরৌ নোংদোল লাম্বা ফংবগুম হরাওরে। মপারি পোক্লে কেগে মীয়ামদা খঙহল্লগে লৈবাক শীনবা থুংনা পাউজেলগে খল্লহুনা কেগে কনাদম্বু তাকলমদনা য়াইবুংহগুবম্বু খঙহন্দবা শাবাউ লানবাউদদা য়েনসি খম্বা কংলা পুংজাউবু তানয়ৈ শঙদা চঙলগা মথুংমক্লা য়েরকলে। অহীং তাংলৌ অথেংবদা কংলা পুংজাউগী পুংখোল তাবদা

লৈবাক মীয়াম মীপাইরে, নিংথৌস্নু ঙকলে। নোং হেক ঙানবগা পুরেম্বনা সনা নাক্তা চঙলক্‌না ইপারি অমা ফংজবদা মুংঙাইমনখিদুন। ননাইনা য়ৈবা কংলা পুংজাউনি, শাবাউ লানবাউ করিস্নু লৈতে, নদাইরেমগী ইরান ঙাক-পিয়ু হায়না নিংথৌদা হঙ্গংলে। মনাই অচানবগী য়ারাদু তাবদা নিংথৌ মাদি পেনবিরে। নিংথৌনা লৈকায় লাকপা নিপাল কৌখংলগা লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা শাবাউ লানবাউগী য়ৈবা পুং নম্ভে, নো য়াই পুরেম্বা অথৌবনা মপাবি ফংবগী মুংঙাইদুনা য়ৈবা পুংনি হয়ং লৈবাক শিনবা থংনা পাউ চেননবা য়াথং পীবকলে। কংলা পুখোল তাবদা চাউবা থোংলেল অনিস্নু কংলা কারকপদা লম্বাদ লৈকায় লাবপ থেনদুনা পুংগী পাউ তম্বদা চাউবদি নোক্তুনা ময়ুমদা হনখি, খোংলেনদি শাউবে মপুক্লিংদা রারোবে। থোংলেম্না ময়ুমদা হন্দনা লমলেন মুংগোইবী তান্না লাকলে। শাবাউ লানবাউদা য়ৈনসি থমলিবা লাই হাক্তুগী কায়দনা চংনংক-লিবা কংলা পুংজাউবু নিংথৌনা চাল্লি মতাংঙম ঐ মঙাইরে নংপল কাদুনা মপাবি অমা পোকপগীস্নু ময়ে; মমোম অমা শাংপগীস্নু ময়েরবদি লৈবাক নিংথৌ পানবা অঙম অথৌ লৈবগী কান্নবা লৈত্রে। মতুংদা শরিং শরাংবদনবা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা লাল্লে হায়হনগে মতাও পুরেম্ববু রারক্কে, মাগী নাপলসি নৌরিভৈদা থদেকহৌদ্রবদি তুংদা লৈবাকী রাযেল থোদাদা অকায়বা লাক্কনি খল্লদুনা চিংঙ্ লাইতাইনবা ঙম্বা খোয়ুম লাইশক খঙবা থোংলেম্না পুরেম্বগী য়াইবী থরায় মঙাবু কৌরগা মুংগোইবীদা লাল্ল্ চনশিল্লে। অদুদগী থোংলেম্না মতাও পুরেম্বগী ময়ুমদা লাক্‌না পাউ পীরে। "ইতাও ইবুঙো। নহাক্না নিংথৌগী য়াথং য়াওদনা কংলা পুংজাও য়ৈবদুদা নিংথৌ মফম শিনগদৌরমানে, লৈবাক নিংথৌ কনগে খল্লদুনা ইতাওগী য়াইবী মঙাদু মুংগোইবীদা লাল্লু চনশিললয়ে। ইতাওগী থরায় মঙানা শমু হকচাং থাদোক্লিভৈদা চানিংবা চাবিহৌরো শেংনিংবা শেংপিহৌরো" হায়রম্লগা থোংলেন ময়ুমদা হনখি।

মতাও থোংলেনগী য়ারা মপাউদু তাবদা পুরেম্বা অথৌবগী মপুক্লিংদা রাবোবা চিংনবা করিস্নু লৈখিদে, চিংঙ থাংজীংগী নোংদমখোল লাকথিনি

খল্লোকলে। মুংশিরবা মপারিগী চেংলৌ মশক উবদা পলেম পম্থৌ অনিদো চাগনি থক্কনি কাউপ্রে। অস্মুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনঃ লোইদাম থাবুম ফাজিল্লক্লে, থাবুম অমদগী অনি শুজিল্লকলে। লোইদাম থাবুম অনি মপুং ফারকপদা খঙহৌদনা পুবেম্বদো অনা লাইওং খঙদনা হেদো নাহে চল্লে. তৌরাং ফক্কা ওল্লে। লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীনা ইরাং চাবান থাতুনা থৌনিবদা লাইখাই তাবা ঙমলক্রবদা পুবেম্না মুংশা থীরকলে, মতাও থোংলেন্না হায়খিবা রাকমদো খুদক্কা নীংশিং-লকলে। পুবেম্বা নাবগী পাউ তাবদা লৈবাক্কী ফম্নাইবা অঙম অথৌ পুম্নমক লাকতুনা অনাবা হংলরে। মপ্ন মোইবাং নিংথৌম্ম কুম্নকলে, মতাও কবুই শলাং মাইবম্ন কৌকতুনা থুংলরে। কবুই শলাং মাইবনা অহীং তাংলৌ অথেংবা মীচিক মীরাওখোল তানখিদ্রবা মতমদা মতাও পুরেম্বগী মুংগোইবীদা লাল্লু চনগ্রবা য়াংবী থরায় মঙাদো কৌরগা পুশিল্লকপদা থরাই থোজাল লানশিল্লু য়াদ্রে। মতাওগী মথরায় কনবা ঙমলরোই খঙলবদা কবুই শলাং মাইবদো মুংশা থীরে, মথরায় রারকলে। মতাওবু চিংনা য়েংলগা, "ইতাও ইবুঙো! ইতাও থোংলেন্না চনখিবা লাল্লু অসে মহাক মশানা লৌথোক্রবদি ইতাওগী য়াইবী কনবা ঙমলোইদৌরে। অতুনা ইতাওনা নপারি নমোমগী য়েংতুনা ইকায়বা হঙ্গোইবা পুম্নমক থাদোকতুনা তরা চাকলুক অমত্তদা চামিন্নবা নতাওনি খন্দুনা থোংলেন কৌরগা লাল্লে থরায় কনবিয়ু অমুক্তদি হায়বিযু" হায়রকলে। মতাও শলাং নিংথৌগী রারা মপাউতু তাবদা পুবেম্বা নোমোন নোকতুনা মতাওবু চিংনা য়েংলগা, 'ইতাও শলাং চীংশাংলাকপা নহাক্না নতাওবু মুংশি-বিতুনা তাকপিরিবনি। ইতাওনা হায়বা য়াদে খনতুনা নতাওবু রারৌবিগনু। তমব ওইনা পোকতুনা ইশানা লাল্লি খঙনা খঙনা তৌরুরবা থবকপু য়াইবী থরায় পাম্মুবদগী নিংহন্নরবদি কেগে লৈবাক্না করি হায়নখিনি। লৈবাক নিংথৌগী চৎন-পথাপপু পুরেম্বা ঐনা লাম্না চৎলুবগী ইতাও থোংলেন্না রারকপনি। ঐনা ইতাও থোংলেনবু পুকনিংবা মুংঙাইতবা করিস্নু লৈতে। পুরেম্বা ঐনা লাম্লে, ঐগী য়াইবী থরায় কনবিয়ু

হায়জবদা ইতাও থোংলেন্না মু শিবিত্না য়াইবী থরায় কনবিরবসু মতম খবগীদমক্তনি। নোংমদি থোংলেন্না কননা থরায় মঙাসে হকচাং পোল্লাং থাদোক্লগা চংখিনি। তাইবং মালেমদা খোউদারক্লবদা নমু তাইবং মীওইবা ঐখোযসে তাইবং চেংক্লেন লোইত্না নোংমা নত্রগা নোংমদি খমনুং শরা তাল অমল য়াংথোং কুমগদবনি কনানম্মু ঐখোয়বু কনবা ঙম্মোই। অমুক পোক্লবদি অমুক শিবা তাইবংপানগী লেংফত্রবা থোদাংনি। অত্না মুপা খোদাং যেংত্না শবি রাশক ঙাকতুনা খমনুং শরা তাল্লবদি যাইবী থরায় মঙানা হরাওনা কোবো নোঙানবত্থু নতাওনা পামজে, মত্না হেন্না কৈ খনদো। ইতাও নথোয় খ্বায়না লৈরিঙেদা য়াইবী থবায থাবদি নতাওগী পাযমমুংদা চিংনবা করিসু লৈতে” হায়রক্লে। মতাও পুংবসী য়ারাত্থু তাবদা কবুই শলাং নিংথৌদো রা মথা তাবা ঙমদনা মতাওবু চিংনা য়েংলগ কপলক্লে। কবুই শলাং নিংথৌনা মানা খঙজবা হিদাক লাংথক পীক্লনা হরাং চাবান থাত্না কুমিং শিংবুম তরানি চুপা মগুমদা হুক্কবসৈথে থরাই লাইকন্নবদা মতাংগী য়াইবী থরায কনবা ঙম্নরোই খঙলবদা মতাও চাউবা থোংলেন অনিবু কৌরগা রা তাম্লবকলে।

পুরেম্বনা চউবা থোংলেন মতাও অনিবু চিংনা য়েংলগা “ইতাও নথোয় অনিদি নিংথৌগী থোগল তৌত্না পুক্তি তোলোইনা পানবি-হৌখো। য়ামজেম লাইবক থীববা নতাও ঐনা কোয়ৌ নোংমদোল থক্তুগী লৈচিন পোমায় হাংদোক্লগা ইতাও অনিনা অরাং অপা লৈতনা কুংঙাই য়াইফনা পানবত্থু নতাওগী ইমিং অসিনা পেন্না য়েংজগে। ইতাও খোংলেন নঙনা নপাম্নি নাউরা চাউত্রিবা লোইদাম থাবুম অত্থুম মপুং ফাত্রিবা পাম্নি অসি নবুকথোকী নপারিনি খন্দুনা লুনা চান্না তৌবিয়ু। ঐগী খুংসু খুংলায়, তাবু থন্না য়াওরিবা চরৈ ফিরোল নিংথৌফি মনাফি পুন্নমক অসে ইতাওগী য়ুমদা পুবিখো, পারিনা শরেপ ফারগা শিন্নবিয়ু” হায়রক্লে। মতাও পুরেম্বগী য়ারাত্থু তাবদা শাউগনবা থোংলেনদো নিংঙম্মক্লবোই মতাওবু কোল্লগা নোংখোংবতুম কপলবলে। পুরেম্বনা

মতাও চাউববু য়েংলগা "ইতাও চাউবা! নহাক্কী নপারি কৈরোইজাম্বদা ইযোম লাংলেন চবৈম্মু খোংগী সনা পোনজেনবী খমম্নুসি খরাই থক্তা লৈহাম্না লৈরোং লাইদা কংপগুম পীরবনি। হয়েংমন্নুং মতম চারগা পাখৌগী নম্মুমদা পুন্নুনা নমৌ ওইনৌ" হায়না নমোম্ব্ মখুং পায়ত্নুনা শিন্নরে। মতাও পুরেংগী য়ারাদ্দু তাবদা চাউবা মাস্নু মমিংতগী শিরাং খিম্ববা খঙখিদ্রে। তুমিং অত্থুদা থোংলেন, চাউবা শলাং চীশাং লাকপা পাখৌ মরূপচা অদ্মগী তালোয়শিংস্নু কৌরগা মখোয় ময়াম্ন পুন্না য়ুমদিন চাক চামিন্নখি। তরা চাবা থকপা লোইরগা থোংলেম্না মপারি নরা চাউদ্রিববু মতমবাক্তা পম্নগা পারি ইবুংঙো মুংশিবা। অহীং নোংয়াইদা পোকই হায়বা খঙননবা পারি নঙগী কোলোয়বু অমুদোন নোংয়াই থোন্নবনি" হায়না থোংলেম্না মপারিগী কোলোয় মমিং থোনবদ্দু তাবদা পুরেম্বা মথরায় মুংঙাইজে। কবুই শলাং চীংশাংলাকপনা মপারিবু পম্নগা ইচাদি মথক্তা ময়াম্বা পোক্তে মখাদা মনাওস্নু তাদে, পুরেম্বা ইতাওগী ঈ খমলে খঙননবা 'খম্ব' হায়না কোলোয় মমিং থোনবিরে। নোংবান চাউবনস্নু মমাকপু অমুক পমলগা ইমাক্তি মতোমতদা তোপ্না তোম্না পোকই খঙননবা 'তোমপোক' মিংথোনবিরে। অস্নুম্বা মপা অহুমনা মানা মানা পাম্বা মৌপ্‌াগী মমিং থোন্নবদা খমম্নুনা মৌপ্‌াবু মতমবাক্তা পমলগা হন্না হন্না চুপ্তুনা "ইচেমগী ইবুঙো ইত্থনিংথৌ! ইচেমগী খোমলাং মমৈ থকই, লাইবক চাউবী মচেমগী ইখাদা ইত্থনিংনৌ নহাক নত্তুনা কনাস্নু তাররোই. নহাক্না খমলে খঙননবা ইচেম্না ইত্থনিংথৌ নঙবু 'অথমতোন' কৌগেকো" হায়না খমম্নুনা কপ্না কপ্না মৌপ্‌াগী কোলোয় মমিং থোন্নকলে। মপারি নাউরা চাউদ্রিববু মানা মানা পামজবা কোলোয় মমিং থোনবদ্দু তাবদা ভাংখলৈমা ইবেম্মা থম্মোয় পেন্না মুংঙাইজে। পলেম মমা ওইবীনা মপারি নাউরাবু কৈরা থক্তা পমলগা হন্না হন্না চুপ্তুনা "ইমাগী ইবুংঙো মুংশিবা! ঙসি কোরৌ মুমিংতা পম্থৌ নপা অহন্না পারি নঙগী কোলোয় নমিং থোনবসে তাবদা ইমাগী পায়মা মখৈনা পেন্নে। লাইবকচাউবী নমা ঐনা কৈরা থক্তা পমত্থুনা তন্না খোমলাং মায়য়োন্নরকপগী

পারি নঙগী মিংলেনবু ইমানা "ফৈবা তানজোবা কৌগেকো হায়রক্লে। অসুন্না মপারি নাউরাবু মানা মানা পামজবা কোলোয় মমিং থোনবন্থু তাবদা পুরেন্বা থম্মোয পেন্না নুংঙাইজৈ। সুমিং অহুদা মতাও অহুমদো ময়ুম ময়ুমদা হন্দনা য়ারেক্তুনা পুবেন্দবু থরাই লাইকনন্দুনা লৈথি। অহীং চুপ্পা তুমদমখৈ মতাও অহুমগা রান্নী শান্ধুনা লেহবলে। নো য়াই চবুক লোমলকপা অহীং মমৈ রাযবকপা অমম অভান শিগ্রকপা শডিক মশোং কাংলকপা মতমদা রান্নী শাবম্বা মতাও পুরেম্বদো থঙহৌদনা নিংশা। শোর চবম ফুম্নক্তুনা রা ঙাঙখিদ্রে। মতম অসিদা মতাও অহুম্ন সুংশাথীবগা লোয়নন: কুপা ফমশেন্নবিবা মতাওশিং অমদি সুংশিরবা মপাবি মমোমবু চিংনা চিংনা যেংহুনা মিংলু নাপোম অনিদা থিংঙচুদনা চিগা ঈবা শিন্থনা পুরেম্বা অথৌবদো থোমলেন শাংনা য়াতানা থম্মুং শারা তাল অমল য়াইথোং কুমখ্রে। লাইশকচাউবী ঙাংখলৈমানা মপাবি নাউবা চাউদ্রিবা থরবু শমু নবদা লোবগা মশাবিগী থুযাদা ফনহুনা করো চাংশোই ঈরাউ-থোল থিঙেল লাইজ ঈনমথাইগুম মখোল থোরা বপলাক্ল। পলেম মমা অমদি মপা অহুন্না কপ্পহু উবদা থমন্থ মাস্থু মপাবু কোন্দুনা নোং খোংবগুম কপ্পকই। পাউ অসি তাবদা পুবেম্বী মরানয়াইদো মীনা ফিঙৌ ফৌবগুম তিল্লক্লে, লৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইনা পূন্নমক তিল্লবে, মপু মোইবাং নিংথৌম্বু থংলরে। কেগে মীয়াম চঙহুনা হৌনবী মতুং ইন্না পুবেম্বগী য়াইবী মথরায় য়াওদ্রবা শমু হকচাং পোল্লাংদো হাওশি মংলেন চল্লে, মথৌ য়াংগেল্লে। তিল্লিবা মীয়াম পুন্নমক্তো অরা মৈচাক সুংদা ফুম রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদবমখৈ মথরায় শোক্না কপ্প কপ্পহুনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নথি।

অহুমশুবা মতাং

খম্ব-খমনুনা অঙাং ওইরিঙৈ

খমন্নুনা চহী তরেৎ শুরকপদা মহুনিংথৌ খম্ব পোকই। খম্বনা থা অহুম মপুং ফাদ্রিঙৈদা যাবু পোকপা পুবেম্বা নোঙ্গাখি। মপারি খম্ব অমদি মমোম খমন্নুবু মপাঙ্গল শাবেপ ফানা নাউযোক নাউকোনগে খনজ্ররিবা ঙাংখলৈমা ইবেম্মদো মশাবি পুবেম্বনা তাইবং মালেম থাদোক-খিবা থা মঙা মপুং ফাবগা খঙহৌদনা তৌরাং কক্তা ওল, লুহুং খোইবাক শানা অনা লাইপোং ফাবক্লে। লাইবকচাউবী খমন্নুনা নাবিবী মমাগী থুযাদা কমতুনা রাদি ঙাওদনা মমাহু চিংনা যেংলগা হিক্লা হিক্লা কপলকপা মমোমগী অযাবা মতৌহু উবদা মমোমবু মুংশিনা নানবিবগা "ইমাগী লাংলেন চবৈমু। লাইবক চাউরবা নচিন নৌপা অনিবু তাইবং মালংপাম্বা হুম্মোক্লম্লগা ইমানা কবম্না খমন্নুং শবা তাল অমল যাইথোং কুম্রসিগে। ইমোম নহাক্না তাইবং মীবোল খঙত্রিবা নহুনিংথৌ অসি শামা পাঙ্গল শারেপ ফানবা যোকলকউকো। ইমোম্না চঙজফম চেকশিন্না লৈবক্রবা মতমদা ঙাংখ লরাইদা নমা ঐগা ইতা শাম্নবকপী ঙাংখবী লৈবনি। মাগী মনাক্তা চংতুনা নচিল নৌপাগী অবাং অপা হায়কচো, মানা শোয়দনা ইমোমগী মতেং পাংবিবকনি। কেগে কল্লক চাউবনি, মোইরাং মীহৌ কনবনি, নহুনিংথৌনা পাঙ্গল শাবেপ ফাদ্রি ফাওবা অঙম অথৌ কনাগী মক্কমদা চংতুনা লৈত-লায়র উংলুগন্মু কেগে কনাদম্মু লমজানি খঙহন্নুগন্মু, যোইবাং শারানি তাকলুগন্মু। নহুনিংথৌনা পাঙ্গল শারেপ ফারক্লবা মতমদা পাগী পারেপ য়োইহন্নু পুগী পুবেপ ফংহন্নবউ। কোয়ৌ নোংমদোল খক্তগী লৈচিল পোমায় হাংতোক্লগা নচিল নৌপাবু ইমানা তোয়না য়েংলকে"। অম্নুম্না পাওমেন্নবগা মমা মচা অনিদো কপমিম্নহুনা ইম্নুং নোংশোইবা তুমদবমথৈ পুকমেন পাওমেন্নথি। মপারি নাউরা চাউ-ত্রিববু খোমলাং মবুক থন্না ইনবিরম্নগা নোংঙল্লামদাইগী মতম অমম অঙান শিন্নরকপদা মুংশিরবা মপারি মমোম অনিবু হুম্মোক্রম্নগা ঙাংখলৈমা শজিক মতুং ইল থাবা মথৈ রায়খি।

অপোকপা পালেম পান্থো অনিনা কেরো মোয়ানবা থম-থম্বু মচিল মোপা অনিবু চাউব খোংলেন অমত্তা অনিনা ময়াম্বাইদা কোকপু পুগে তোরক্লবদা যুমথংনদা কৈরোয় লৈকায়গী মচে মনেন, পুরেম্বা অমা লৈমা অনিগী মরুপ মপাঙ্কাশিংনা অহুম, অনিদা হায়রক্তুনা এরোল ময়াম্বা অরৈ লৈত্তা পুথোক্লক্তুনা অতাং অনিসি চাউনবা যোকনি কদিরগুম্বা চেকচেং মতমদা অমত্তা অনিনা যোকপিয়ু হায়রকলে। অসুম কৈরোয় লৈকায়গী মীয়াম্না অতাং অনিবু অমত্তা অনিগী মকমদগী নিংহৌবে। তুরিং অহুমগী কৈরোয় লৈকায়না মানা মানা লৈকবা তম্না চেং-চাক যেনশাং-নাপী লেমলৈ চা থায়নতুনা মচিল মোপাবু যোক্লকই। পুরেম্বনা শারম্বা কা হাপকপী যুমজ উ অতুনা মচিল মোপাদা লৈনা তুমদতুনা লৈকায়গী মীনা শিন্নতুনা তুমিং থুদিংগী অহাংদা মী লেবহল্লি। অসুম্না কৈরোয় লৈকায়গী মীয়াম্না যোল্লকপত্তু লোইদাম থাবুম তরুক মপু ফারকপদা কনাসু পোকমিন্নবা মচিল মনাওমক্তি নত্তবনিনা মীয়াইবকলে. নোংমা নোংমগী অসুম লাপ-থোক্লরক্লে। মথোয়বু পোকপা পালেম পন্থৌনা থম্বিরম্বা মমল য়ামলবা লৈতেংগী পোংচৈদি তাবু থম্না হাপ্লগা থোংলেম্না পুরগা মমুমদা চেকশিন্না থমখি। অতু নওবা শেনবা-চানবা অমনবা চরৈ ফিরোল, নিত্তিগী শীজিন্নবা পোংচৈদি নোংমা নোংমগী য়োন য়োন্দুনা চাশিন্নকপনা লোইশিন্নকলে। পলেম পান্থৌ লৈখিদবা চহী অমা ফাজিক্লবদা মচিল মোপা অনিদো নিংথম উললেনা নংলবা হৈরাং লৈরাং পাম্বীনা মপুং মরৈ ফাবা তুমদবতুম রানা লৈরক্লে। কেগে মোইরাং লৈবাক্তা চাম্না হেনবদি য়াদবনিনা নোংমগী চাম্না তানবদা ইমুংদা অরু অহেন অমত্তা তাশিন্নক্লে, য়েংউ য়েংউবা থুদিংদা অরাংপগী অরাংপা ঙাক্তা ঙায়শিন্নক্লে। নোংমদা চাম্না অনি চাবা ফংসক্রুবদা অয়ুক চাম্না সুংদাং হেল সুংদাং চাম্না অয়ুক চাম্না হেন মতম থম্না লেম্নকলে। অসুম্না চাম্না নামা নামাত্তা চাতুনা থাংলন্নদগী য়ারক্রুতুনা লাইবকচাউবী থমহুদো ইকায় ইকি রাংমা লাম্না চরৈ নমজুনবা শেংতুনা শেগায়রবা তবোং মরাক তাইদবা অমনা মচুনিংথৌবু পোরপা কেগে মুমখোং থংনা চত্তুনা চাকনি ফিনিবা হৌরক্লে। মীমুংশি থম্বী কনা

অমনা মচুনিংথৌনা কপ্পা উরগা ইমোম খমনু নৌপা পুশিল্লকউ, ইমা থোয়াং ইনবিগে হায়না হয়াও হয়াওনা কৌশিনবিরকপন্থু ময়াওই। কনাগুম্বা অমনা হায়জবদা খওইনা ভাবিদবস্থু য়াওই। নোংমা কাদোক্তি থংপুম খুদিংমক হয়াও হয়াওনা তৌবিরকই, অরৈবা পীরকই। নিনি হয়ি তংজল্লকপা মতমদি খবক কায়বা, য়াদিংদবা মৎং মতৌচু উবদা খমনু মাংতংমতা ইকায়খমরকনা নীংবা কায়না হল্লক্রবস্থু লৈদা ভাইবং মীয়োল খচত্রিবা মচুনিংথৌনদি ইকায় ইকি খঙদবনিনা থোয়াং লামজুনা কপলকপদা ইকায়খীবী খমনুনা ৈকরোয় লৈকায়গী কোত্তোংদা লেপ্পুনা চঙশিনদি ভুমদ হঙোকদি কনায়, মৌপানদি চমায় হুম্বগুম লেপুনা পশিল্লক্রবদা ইকায় ইকি য়াংমা কায়া মখোঙ থাংবোই থাংদবোই চঙশিল্লকনা চুরি ইচুম ভাকহদা লেপ্লগা হায়জবদি হমদহুনা হিক্লা হিক্লা কপকুনা লৈরে। খমনুগী অবাবা মতৌচু উংগা মুংশিহুনা পুকচেল চাউবী কনা অমনা মানা চাগদবা তয়া চানুক পুথোকতুনা চামিয়ে, মচুনিংথৌবুস্থু মবুক থম্বা থোয়াং ইনবিরকই। মচুদা হয়াওচুনা খমনুনা মানা ঙম্বা থবক ইনথাং কয়া নোয়ন্মী, মথুংমক্লা ফৌ শুবিরন্মী, মচুদা মুন্নুনা পেনবিচুনা মাগী চানবা চেং হাপ্পিরকই, চেংচু ফিজিদা কিয়গা হয়াওনা ময়ুমদা হল্লকই। নোংমা অমনা লৈকায়খুংনা মুংশা দয়ক্লা কোয়না চংলুরগা অচা-অথক করিমত্তা ফংদনা মীচৈ য়াম্না তাহুনা কপ্পা কপ্পা হল্লকপস্থু ময়াওই। কেগে লৈবাক চাউরবস্থু লৈত্ত লায়রববু মুংশিবিবা, অরা-অনা ভারববু চানবিবা মীদি মীশিং য়ামদে। অচুনা মৌপানা মবুক থম্বা চাবা ফংদনা য়ানা পুক্সি লেপ্লিবনি।

মমা ঙাংখলৈমাদা উল্লকপা নিংথি ঙাংবা পামহৈবা কৌবা অউন যণ অচু মপা লৈন্নিঙৈদদি মপান থোকহন্দে মঙক্লা থৌন্নি কোজোই হুকতুনা যণগোম্বা পুন্নুনা খনখনি। মপা লৈখিত্রবা তুংদদি মাবু ঙাক শেনখিনবা লৈত্রে খঙলবোই অচুক ঙাওরবা যণদো ভেকলা মচী পায়রবা কাওবদা শাউত্রে, ফাদি পুনখিনবা লৈতহুনা থাদোকতুনা থমলে। য়া ঙাঙদবদা মঙাইরবা ভাইবং মীঙম শিংলবা মীয়োল

থওলবা যগনা মচিল মৌপ্‌াবু কদায়দা শেয়ংগিদগে মতাগুম চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। মখোয়না চৎপা মকম খুদিংদা মতুং ইল্লি। লম্বীদা শা যগ লৈরম্বা, তাউবা হূই থেংনবস্থু মচিল মৌপ্‌াবু শোকতনবা মহায়া থাপ্পা তাম্মোকই। খমনুনা মৌপ্‌া পোরগা য়ুমথোং থংনা চাকনি ফিনিবা চঙখ্রবস্থু যগনা কোম্মোংদা লেপতুনা ঙায়হনা লৈ। যগ অহু লৈবদগী মচিল মৌপ্‌ানা কেগে খুল্লক কোয়না চংপা ঙমলিবনি, চাউরবা ইংখোল, হাংলবা য়ুমজাউ অতুদা অকিবা থঙদনা লৈরিবনি। নোংমদি খমনুনা লৈকায় লাম্না শিল্লংবা চৎলুবগা মুমিদাংরাইবমদা মৌপ্‌া পোরগা হল্লকপদা লম্বীদা নোং নংহনা মশা পুমচোৎ চোংলে। ময়ুম য়োনবা চেল্লনা চেলনা লাকপদা চেগায়না শৌ শাবং নাল্লবা লম্বীদা তুবদা মশা খোগায়হনা ঈ থোক্লবস্থু অনাবা ফাওখিদে, মহুনিংথৌহু শোকপর মুংশাথীনা য়েংজৈ। ময়ুম য়্নোবকপদা ইমুং অহু ইমম মন্নমলে, মৈ লৈরমদ্রে। খমনুনা ইপা নিংথি ঙাঙবা, নপা নচা লৈবিরমমু নমোমদি য়ুমথংনবদগী থাম্বী মৈ লোকখিগে হায়না তুমলিবা মৌপ্‌াবু মাঙোন্দা গুমলিজৈদা যগনা থুনা য়াংনা চংখিহনা য়ুমথংনবগী চুরি ইচুম তাকমদা মমায় ইমুং ওনশিন্দুনা লেপলুরে। যগনা মমৈ হাইরা হাইরহনা ইমুংদা মমায় ওনশিন্দুনা য়েংলিবসে থাম্বী মৈ পীয়ু হায়রিমানে থল্লহনা য়ুম্বনা মৈহুম অমা চুরগা মনাকতা থম্মী। যগনা মৈহুমহু ময়ানা চিক্লগা পুরকই। অস্থুম্না মানা ঙম্বা শিন্থা কয়াস্থু মচিন মৌপ্‌াগী মতেঙ পাংবি। রাকচিংগী উন তারক্লবা অঈংবা মুংশিংনা মচিল পারবা তেলগুম হকচাংদা য়ৈরক্লবদা স্থপ্নবা চরৈ ফি অথাবদি লৈতবনিনা শেগায়রবা ঙাবোং অহুনা মৌপ্‌াবু চেংনা য়োমশিল্লগা মথাদা কোন্দুনা হুমই। যগনা মচিল মৌপ্‌াগী নাকতা কুল্লগা মথা অমোনবনা ফিগুম কুপপিরে, মমৈনা কাং তুমিং হুমলে। মুমিং খুদিংগী মচিল মৌপ্‌াবু চেকশিন্না ঙাক-শেনবদগী যগহু মবুক থম্না চাবা থকপা কংদহনা নোংম নোংমগী ময়াং কংশিল্লক্লে। মহু উবদা খমনুনা মপা শল্লবা যগহু য়েংলগা, ইপা ইবুঙো ঙসিদি কেগে খুল্লক কোয়না চংহনা পুক থম্না চাকতাবিরুরো

হায়রক্লে। খমনুগী য়াম্নাহ্ন তাবদা যণনা হুয়াওনা মপাল থোকখি। মানা লম লাপ্পা চাক্তাবা চংলবদি মচিল মৌপ্‌াবু য়েংশিনবা ঙম্মোই খল্লহুনা কেগে লৈকায় লান্দনা থাঙয়াকপগী ইথোলদা চাক্তাখি। থাঙলাকপনা মষণনা চাথোকখিবা মনা মশিং অহুবু খমনুগী যননা চাবনি খন্দুনা লৈকায়গী যণজেনলোইদ। য়াকংলুবদগী চাথোকখিবা মনা মশিংগী মমল পীনিংঙাই লৈতহুনা খমম্নুনা মৌপ্‌াবু কোম্লিবা ঙবোং অহু মরাক অমা শেগায়রগা থাঙয়াকপদা মসিনা কোকপিয়ু হায়জরকই। থাঙয়াকপনা শাউহুনা শেগায়রগা ঙাবোং তঙ্খাই অহু লাক্তুনা লংথোরকই, খমনু ইকাইবদগী কপ্প্‌না হল্লকই।

নোংমা অমনা কৈরোয়-লৈকায়গী মচে মনেম্মা লৈকায় লাম্না থবক ইনথাং শুবা নোম্বা চংখিহুনা নুমিৎ তারমদাই ফাওবা হল্লক্রুবদা মৌপ্‌াবু খোম্লাং ইনবিদবস্থু য়াওই। অহুগুম্বা নুমিতুদি মহুনিংথৌনা য়াংলেন পুংজা থরদং খোমলেন য়াতাক্লরগা অহীং-অথেংবদা খোম্লাং লামহুনা মিকপ থোরকতুনা কপ্লকই। খমম্নুনা মৌপ্‌াবু পোয়গা লময়াইদা তুমদবমথৈ হঙ্গৎ-হন্দা চংতুনা কপ্পা থেম্মী। থেম্বা হৌনবা মথৈ থেম্বদা মৌপ্‌ানা কপ্পা তোকউ ময়ারক্রুবদা তৌনিংঙাই লৈতহুনা মমা কৌহুনা কপচৈ। মৌপ্‌ানা কপমনখিবদগী য়ারহুনা মতোমদা লেকথহুনা তুমগ্রবদা খমম্নুনা তপ্পা শুমলগা মোইথাপ মপোপ অমা ঈশিংদা লুপতুনা চোং-হল্লগা খোম্লাং শাহুনা চুপহল্লি। ঙাহাক চুপ্পগা মমাগী খেম্লাংমক্তি নংতবনিনা অয়াম খৌরাংবা কোকপা ঙমদহুনা মোইথাপ অহু লংখোক্লগা কপলকই। তৌনিংঙাই লৈতহুনা খমম্নুনা মথুবি মচাহু অমুক চুপহল্লি, য়ারক্রুবা মত্তমদা মাগী মরৈ লৈতোলহু চুপহল্লি। অম্নুম্মা য়ানা নোংঙানবা ঙাইবস্থু কোজায়নি। মচিল মৌপ্‌া শেম্নবদা যণনা মবুক থম্মা চাবা কংদবগী নোংমা নোংমগী ময়াং কংশিল্লক্রবদা খমনু মমরায় হুংঙাইরকক্রুহুনা হপ মতোল অনৌবা খুদাপ অমা ফোইরুরগা নোইহু থ্‌ম থরগা য়াংকোক্তা হাপহুনা যণগী মমাঙদা থমলগা মখোঙ মরি কোল্লগা খুরুমলে। "ইপা ইবুঙো! লায়য়বী নমোয়া ইহুনিংথৌ

চাউনবা য়োকপদা ইপাগী ননীং থ্ংনা নবুক থম্না পীজবা ঙমদ্রে। ইহুনিংথৌনা শামা পাঙ্গল চাউদ্রিবৈ পাথং শারেপ কাদ্রিবৈ থুমন ইপালম, নোংয়াই ইপু লমদা চাক্তাবিরুরো। ইহু নিংথৌনা শামা পাঙ্গল চাউরগা পম্বৌ নঙবু লৌহন্নগে। মতম অহুদা ইপা ইচা ঐখোয় অহুম হাম্নগী মতৌগুম অমুক লৈমিন্নসি।" অম্নম্না থমম্নুনা পুক্নমেন পাওমেন্নরক্লবদা মীরোল খঙলবা যণদো মচিল মৌপ্‌াবু চিংনা য়েংলগা মম্রিং অনিদা পিগী ঈরা শিন্থরকলে। মীরোল থোক্তবনা পুকমেন পাওমেন্নবদি ঙমদ থমম্নুগী শমলাং মতোল মনম নমলগা যণনা মোঃ মোঃ খোংলকলে। মপা শক্লবা যণগী মতৌ উবদা থমম্নুস্নু কপ-লকলে। থমম্নুনা [illegible] হুপনৌগা নোইম্নু থ্মগা চারগা পুরেম্বগী চাউরবা ইংখোল অ[illegible]বহু কোয়না চংলুরগা মচিল মৌপ্‌াবু হম্না হম্না লেকপিরম্নগা নিংথি ঙাংবা পামহৈবা যণদো থরাই খোঙ্গাল লানথি। যণনা মথা পাংনা চংখিহুনা লমলেন হাওতক্লা মতম থরা চাকতাহুনা লৈখি। নোংম্না রাঙ্গোন নিংথৌগী মনাই অমনা ফজরবা যণ অমা চাকতাহুনা লৈবহু উবদা চেল্লক্ক্‌না মবুঙোদা পাউ তমলরে। যণ অহু পাম্বদগী রাঙ্গোন নিংথৌনা মনাই ময়াম থাহুনা যণহু ফাম্বগা পুরকউ য়োকসি থৌদাবদা যণ ফাবা ঙমদহুনা হম্লকই। পাউ অসি তারহুনা নিংথৌনা মনাও কৌরগা হাওতক্লা চাক্তারিবা যণ অহু অচম্বা। যণ ওইরম্মোই ইদাইরেব পুরেম্বদা অউন যণ ওইনা পীখিবা নিংথি ঙাংবা পামহৈবা কৌবা যণ অহু ওইরমগনি? শানৌতোম্না যণ অহু পামহুনা য়্যাক্কে থল্লবদি থুরুম্নগা হায়জহুনা থেমলগা পুরকউ। মরাবুংনা তাকপিবা মতুং ইম্না রাঙ্গোন নিংথৌনা মনাই থাহুনা নোইনি থ্মপাক লফোই লতং হুপনৌ মতোল পুহুনা পীজরগা থুরুমলগা হায়জহুনা পুরকই হায়বগী যণ অহুগী মমিংবু থুরুম যণ হায়না নৌনা মমিং থোন্দুনা মনাও ইবুংঙোনা য়োকখি। যণ অহু মথেল ফারহুনা নোংম নোংমগী মপাঙ্গল কললক্তুনা ঙাওবা হেনজিললকপগী থাদোক্ক্‌না শেনবা ঙমত্রবদা যণগোন্দা কোমথৈ থাহুনা চেকশিন্না পোয়োন লোন্দুনা মপাল থোকহন্দনা থম্নখি।

মচিল মৌপ্‌াবু ঙাক শেন্দুনা লৈরম্বা মগনা চংগ্রবদা হাংলবা য়ুমজাউ অহুদা থমম্নু অহীং চুপ্পা কিবনা লৈবা ঙমদ্রে, তুম্বা য়াদহুনা মমা মপা কৌহুনা কপ্লকলে। "পনোম ইমা ইবেম্মা, পম্থৌ ইপা ইবুঙো! নথোয় অনিদি ইচিল ইপ্‌াবু হুন্দোকপিবম্লগা কোয়ৌ নোঙ্গাখিবনা নপাক্সি নমোম্না তাইবং মালংপানসিদা শিসি শিঙমদা ৱানা থাঙলিবসে উবিদ্রবোইকে ?" অম্ম্না থমম্নুনা য়ামঙেম মৈয়া মুখ্রবা পলেম পম্থৌ অনিবু কৌহুনা কপলক্লবদা কোয়ৌ নোঙ্গাগ্রবা পলেম পম্থৌ অনিনা উবিদ্রহুনা চাউবা থোংলেন অঙম্বা অনিগী থোয়্লেন মঙলানচান্দা লাক্কনা মপাবি মমোম অনিনা ৱাবিবত্ত পাউ তম্লরে। অঙম্বা অনিদো মঙফাওনহুনা মিকপ থোয়কতুনা য়াতাবা য়াদহুনা হৌগৎলকলে। মতাও পুরেম্বনা শিন্নম-দাইদা শিন্নরম্বা মচিল মৌপ্‌াহু নীংশিল্লকতুনা ৱানা নোংঙানবা ঙাইরে। অযুক্কী য়েন্দা অঙনবদা চাউবা থোংলেন অনিদো হৌনবা লৈতনা মনাই মশল কনা অমত্তা লোয়নদনা মতাও পুবেম্বগী য়্মদা থ্‌ংলরে। মচিল মৌপ্‌া অনিনা লৈত লায়র চৈনা থাঙহুনা ৱানা লৈয়হত্থু উবদা অঙম্বা অনিনো মমিংতগী পিয়াং শিম্থবা থঙখিদে। "ইপাগী ইমোম ইবেম্মা। নিংথম চংবী হৈকনবী পিক্লা উললেন নংলবী থমম্নু। চিংঙ্‌ নোংদমথোলনা কনখিবনা নচিল নৌপ্‌াবু কাউরুরে ইপাথোয়বু ৱারৌগম্লকো" হায়না মমোমবু চেংনা কোনবিরে। চোউবনা থম্ববু পমঙে, থোংলেম্না থমম্নুগী খুংজেং পায়হুনা মচিল মৌপ্‌া পুরক্লে। অঙম্বা অনিনা লোইদাম থাবুম তকক তরুক য়োক্লসি লেপ্পহুনা নোংবান চাউবা নোথোম্না মচিল মৌপ্‌াবু মরানয়াই তাম্না পুবক্লে। চাউবনা মাগী তালোয় হৈতোম্বী কৌথোক্ক্‌না নপাক্সি নমোম অনিবু নবুকথোক্কী নচাগুম লুনা চাম্না য়োক্কদবনি শিন্নরে। ফৈবোইজাম্বগী পলেম মমা হৈতোম্বীনা মপাক্সি থম্ববু মনঙ্গন্দা পোথৎলে, মমোম থমম্নুবুনা কোম্লগা ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা, ইমানা লৈয়্রিঙৈদা নচিল নৌপ্‌ানা কব্রিগী ৱাগদগে হায়না মচিল মৌপ্‌াবু ইমুংদা পুশিনখি। মপা পুরেম্বগী ময়ুম থাদোকতুনা চাউবগী ময়ুমদা হেক থ্‌ংলবা মমিংতগী থম্বদি চাউ-থকউ অমত্তা য়াদবমথৈ নিংঙাই তৌহুনা কপতুনা

লৈখি। মচেম্মা মুংশাথীহুনা মৌপ্‌্রাবু পোরগা থেম্বদমু ইমুংদা লৈরবদি কপ্পা হেল্লি, মপান থোকতুনা খরাই থোঙ্গাল রাংমা লাল্লগনা কপ্পা তোক্কই। অম্মুম্মা অহীং কয়া মুংখিল কয়া খাক্তনা থহ্না কপ্পহ থেম্বা ঙমলক্রবা নোংবান চাউবা মুংশাথীরক্লে। মতাও থোংকেনগী মরানয়াইদা লাক্ত্না তাম্মবদা অঙম্বা মাস্তু ঙকলে হায়ফম তৌফম খঙদ্রে। থোংলেম্মা চাউবগী য়ুমদা লাক্লগা ঐগীদা অমুক য়োকতুনা য়েংলুগে হায়না মপারি খম্ববু নমদা পোখৎলে, মমোম খমম্নুবুনা খুংজেং পালোয়নহুনা অংম্বা মরানয়াইদা পুরকলে। থোংলেম্মা মাগী তালোয় মাপলহু মমিং কৌর কৌরহুনা কৌথোকলে। মবুঙোগী মীকৌ তাবদা তালোয় মাপলদো মুংশাথীহুনা চেম্থোক্লরকলে, অঙাং অনিহু উবদা ঙকতুনা মুম্মা য়ে লে। পাখৌ পুরক্‌না খনম্বা ফৌদি চারানি, নবুকথোক্কী নপারি নমোমগুম লুনা চাম্মা য়োক্কদবনি। করিগুম্বা মুমিংতা পারি ইমোম অনিবু পীরাইবা উবদা শক্লিসো নপাম থোঙদাহনগে নহু য়ুমদা কুমহনগে হায়না অঙম্বনা অকনবা ময়াথং পীরকলে। মবুঙোগী য়ান্নাহু তাবদা তালোয় অহন মোইরাং চন্থু ফ্‌নানবীনা চঙশিল্লকতুনা খম্ববু মনঙ্গন্দা পোখৎলে। মমা নিপালম্মু চঙশিল্লকতুনা খম্ববু মুন্নরকলে। মবুঙো থোংলেনবু কিবদগী অঙম্বগী তাগোয় মাপলদো চাগনি থক্কনি কাউনপ্রে, তরা চাকশিন নাহুনা অঙাং অনিহু চাউনবা য়োকপা হৌরকলে। মমা মাপল অহুনা অমনা পো, অমুক থা, অমনা অমুক পোখং, পুংজা খুদিংগী হোং হোংহুনা পোবিবদা খম্বদো মশা হুমাং কাংলে কপকম খঙদ্রে নিঙাই তৌদ্রে মমা মাপলদা তঙক তঙক য়েংহুনা লৈদ্রে। খমম্নু মাস্তু চাফম থকফম খঙদ্রে। মমা মাপল অহুনা অমমা কৌই, অমনা অমুক চিংই, পুথোকই পুশিন তৌবদা মশা শাপন হিংতোক্কদৌরে। চালুক খুদিং কৌশিন্দুনা চামিম্নবদা খমম্নু মবুক পোকখায়দৌরে। অম্মুম্মা মমা মাপলনা লুনা চাম্মা য়োকপিবদগী মচিল লৌপ্‌্রাদো শেংপা চাবা মনীং থ্‌ংলেবম্মু পুরেম্বগী হাংলবা য়ুমজাউদা চায়া নামতা চাহুমা মনীং তম্মা লৈবগুম মচিল মৌপ্‌্রানা মপুক্লিংদি থোয়দাখিদে।

থোংলেনগী য়ুমদা থবা খমম্বু মচিল মৌপ্না লৈরিঙৈ মতম অসিদা অঙানবদা লমজিংবা অমম্বদা থৌদাবা চিংঙ্ থাংজীংনা মচিল মৌপ্না অনিবু কেগে কনা খঙহন্দনা মোইবাং কনা উহন্দনা মতম থরা লোৎলগে পোযুমগী পায়মা উলগোইম্নুংদা থল্লহুনা মশানৌ অয়াং লৈমা পাম্হোইবীদা থৌদাবকাক্লে। চিংঙ্ ময়াথং তুংইম্না পাম্হোইবীনা খমম্বুগী থোমলেম মঙলান্দা পলেম মমা ঙাংখলৈমা শাহ্না লাক্লগা মচিল মৌপ্নাবু কৌথোক্লবে। খমম্বুনা ম্রিকপ থোরকতুনা মৌপ্নাবু পোয়গা অহীং ভাংলৌ অথেংবদা নাকল থোঙ হাংদোকতুনা থোংলেনগী ময়ুমদগী লোম্না থোরক্লগা থুনদিংবীগী কয়লো ঙক্তম ফাংবা য়োৎবংদ ভবাংং নোংলে মুংশিং থেংনহুনা খমম্বু মায়গৈ শাগাই থঙদনা লমমুক্লহুনা ময়ুমদগি চঙদনা ঙাংখ লবাই তাম্না লাকলে। ঙাংখ লরাই য়োৎবদা মুংশিংতি থরা নেমাগ্রে, নোংদি চুবা লেপত্রি। ঙাংখ লরাইগী থুনজিন্দা মপারি মমোম অমত্তা মমিংতা উদ্রবা ঙাংখবা ঙাংখবী মতৈ মনাওগী য়ুমদা চঙশিল্লকতুনা খবাই থোঙ্গাল ময়াদা যণবী মনাউ মমা মচা পূল্লিবা যণগোন্দা মচিল মৌপ্না নোং থ্পতুনা লৈররে। নোংথাং বুঙ্গী মঙাল ফংলিঙৈদা কুল্লিবী যণবীগী মনাক তাম্না চঙশিল্লপদা খম্ব ম্রিকপ থোকতুনা থোম্নাং লামহুনা কপ্লকই। মৌপ্নানা কপ্পহু তারগা খমম্বু মুংশাথীহুনা মুম্ভ্ তাখিগনি কিবনা মৌপ্নাবু কৈনা পম্লগা যণবীগী মনাক্তা ফমথহুনা যণবীগী মথোম অহু লামহুনা পীথকই। যণনাউনা থকপগুম থোমি নংথরক্লনা যণবীনা খম্ববু মবুক থম্না পিথক্লে। মপান্দা খম্বনা কপখিবা মীকপথোলহু তাবদা য়ুমবু মতৈ মনাওদো মথুত্তা থাম্বী মৈনম পায়রগা যণগোন তাম্না থোরক্লে। মৈঙাল অহু উবদা খমম্বু মুংশাথীহুনা মহুনিংথৌবু মথাদা ফোনশিল্লগা যণবীগী মকয়দা থ্পতুনা লোৎচে। চিংঙ্ থাংজীংগী নোংদমখোলনা কনখিবনা মচিল মৌপ্নানা লোৎজিবহু যুম্না উরে। অঙাং অনিহুগী মওং মতৌহু উবদা ঙাংখবনা চঙশিল্লক্লনা পারি ইমোম মানবী নখোয় অমিবু থোম্নুম লাইরা মমু তাইবং মীয়া হংলক্লবদা খমম্বু কিবনা মখোল নিক্লা থুমজলক্লকই। "পম্হৌ মানবা ইপাও।

শমু তাইবং মীনি, লায়রবা ইচিল ইপানি।" নমু তাইব মীনি খঙলবদা ঙাংখবা ঙাংখবী মতৌ মনাওনা মচিল মোপাবু ইমুংদা পুশিল্লগা, নখোয়বু পোকপা পলেম পম্বোগী কোলোয় করি কৌবগে লমদম কৈদগী লাকপনো হায়না ভবতুনা হংলক্লবদা থমমুনা কপ্ল: কপ্লা খুমজরক্ই। ঐখোয়বু পোকপা পম্বৌনা পুরেম্বা অহোংবা, পলেম ইমানা ঙাংখলৈমা কৌই, ঐগী ইমিংনা থমনু ইপাগী মিংনা খন্ব কৌই" হায় ররপা থমমুগী রাহু তাবদা ঙাংখবী চঙশিল্লকতুনা থমম্বু চেৎনা কোক্লগা হিক্লা হিক্লা কপ্লক্লে। "ইমোম ইবেম্মা! নঙবু পোকপী নমা অহু ঐগী মুংশিজরবী খোয়নৌ ইতানি, লুনা চান্না তিন্নরকপানি। হৌজিক্তি ইংগী নাত্তা লাক্লবনিনা রারুরগমু নচিল নৌপাবু ইমানা পারি ইমোম শক্লা য়োক্লগে হায়রক্লে। মমিংতা মপারি মমোম উবা ফংজব্রবী ঙাংখবা ঙাংখবী অনিদো চিংঙু থাংজীং লাইনা পীবিবা মচানি খন্দুনা হন্নাওবগা লোয়ননা মচিল মৌপাবু মুংশিনা চান্না য়োকপা হৌরক্লে। মখোয় অনিমু অপোকপা পলেম পম্বোগী নাক্তা লৈবগুম মপুক্লিং খোয়দা লৈতানা মথরায় মুংঙাইনা লৈখি।

নোংঙাম্নগা খোংলেন তালোয় অহল ফুনানবীন' য়েংবদা খন্ব থমমু মচিল মৌপা লৈরমব্রবদা মুংশাথীন' মবুঙো খোংলন হৌদোকতুনা তমলে। পাউহু তাবদা খোংলেননা ফিংনা হৌগংলক্লগা কনা খঙহন্দনা লোম্না মপারি মমোম অনিগী মায় খোঙ্গুল লিতুনা থিবদা ফংদ্রে। মতাও চাউবা নোংথোনগী মমুমদা চংতুনা হংলুবদমু মপারি মমোম লাক্তে খুম্লক্লবদা মুংশাথীবগা লোয়ননা অঙম্বা অনিদো মতাও পুরেম্বগী মরানয়াই তান্না লাকতুনা য়েংলয়ে। মুমিৎ অহুগী অহীংদা চিংঙু থাংজীং লাইনা মচিল মৌপাবু কেগে কনা খঙহন্দ মোইরাং কনা উহন্দনা মপাঙ্গল শরেপ ফাত্রি ফাওবা লোৎলগে খল্লদুনা পামব কৈগী মশক লৌরগা পুরেম্বগী মরানয়াইদা লাক্তুনা থরাই খোলান্দগী ইমুং ফাওবা পামব কৈগী খোঙ্গুল চাউনা চাউনা তাহল্লে। তাইবং মীগী ঈথেং ঙৈরবা শন্ন শয়া'না গুমাং থংনা চাইথোকলে। অঙকপা থৌদোক অহু

উবদা পামবনা শারাক তন কৈরেল্লনা য়াখোং লোন্দুনা মপারি মমোমগী য়াইবী মথৱায় মাঙথ্রমালে থন্দুনা চাউবা থোংলেন অনিদো মপুক্লিংদা নিংঙমদবা পোকখি। শমু খুজেং পাযহুনা শিন্নরম্বা মচিল মৌপ্‌াদা চেক্‌শিন্দনবদগী য়াইগী মথৱায় মাঙবনি থল্লুবদা অঙম্বা অনিদো অরা শ্বোর পাবোং লোন থম্মোয় শোক্লা মুংঙাইখিদে। মতাও পুরেম্বা মচল ঙাংথলৈমা অনিনা কোবৌ নোংদোল থক্তগী লৈচিল পোমায় হাংদোক্তুনা য়েংলকপদা মপারি মমোম উরক্ত্রবদা মথৱায় শোক্লা কপলরিনিদকো থল্লুবদা অঙম্বা অনিদো চিনবান থক-খা কংঞ্রে, মিংলু নাপোম অনিদা অতংপা লৈতনা শিন্থরকপা পিরাংদো থিংবা ঙমলক্ত্রহনা মুংশিরবা মপারি মমোম অনিবু কৌরগা নোং খোংবগুম কপলক্লে। কেগে অঙম্বা মোইরাং অথৌবা অনিনা মতাও পুরেংগী মাঙ্গোন্দা মপারি মমোম কায়নবগী ফল্লা পাউ অসি কেগে লৈবাক শীনবা থুংঞ্রে, মপু মোইরাং নিংথৌগী নাকোং য়ৌঞ্রে।

কেগে ঙাংখ লৱাইদা ঙাংথবা ঙাংখবী মতৈ মনাওগী মম্নুমদা লোংতুনা লৈরিবা খম্বা খমনু মচিল মৌপ্‌া অনিদো মতম কুইনা লৈয়ু তমত্রবোই মপাগী মরুপ শলাং নিংথৌগী খোমলেন মঙলানচান্দা অয়াং লৈমা পান্থোইবীনা পাউ পীররবদা মঙফাওনহুনা নোং হেক ঙানবগা মন্নোই লোইবী হাও পাখং অনিগা লাক্কুনা ঙাংথবা ঙাংথবীগী গুমাং মতোন্দা লেপ্লরে। মতম কুনা উখিত্রবা অঙাং অনিগী মশক উবদা শলাং নিংথৌ চঙশিল্লক্কুনা মপারি মমোম অনিবু পম্নগা নোং খোংবগুম কপলক্লে। শলাং নিংথৌগী মতৌহু উবদা মচিন মৌপ্‌াদা নঙনা ঙাংথবা ঙাংখবী অনিস্থু ঙকলে। চিংকুমানা তমখিবা খোয়ুম মানা শিনখিবা থৌশিনবু তাইবং কনানা খঙবা ঙমগনি। মপা শল্লবা শলাং নিংথৌগী মতমবাক্তা ফম্বদা খম্বনা হৱাওনা নোক্কুনা শাম্নজবহু উবদা খমহু মথৱায় মুংঙাইজখি। ঙাংথবা ঙাংথবী অনিদা হায়নরগা শলাং নিংথৌনা মুখিং অহুমক্তদা মপারি মমোম অনিবু শলাং চীংদা পুহুনা য়োকখি। শলাং নিংথৌনা মপারি মমোম্নু পুরমদাইদা মতাও চাউবা থোংলেম অনিদা তাল্লংগে খল্লংবু মুখিং

থেংখিত্না তাকলমদে। নোংমা মোইরাংদা লাক্লগা মতাও অনিদা হায়জত্না লোইবী মশাইকোন্দামপারি মমোমবু শরেপ কাংদোং ফাদ্রি কাওবা য়োক-চগে মপুক্লিংদা থনখি। মানা নীংঅবত্ থাংজীংনা মনীং থংহল্লগে থন্দুনা মপুকনিংদা অকাওবনা মাঙওইনখিবনা মত্তাও চাউবা থোংলেন অনিবু উনগে থম্না থম্না উনদনা লৈখিবনা চহী কুমজা কয়া হৌখ্রে। মমিংতা মপান্নি মমোম অমত্তা মশক উজ্জ্রবী শলাং লৈমনা মবুক থোকী মচাঙুম মচিল মৌপাবু লুনা চান্না য়োকপিবনা নোংমা নোংমগী চাউশিল্লকলা মপাঙল শরেপ ফান্নক্লে চাওবা লেপ তমলে শাংবা মপুং ফারে। মপা শলাং নিংথৌনা থাদোকপিরবদি মপাঙল মথৌনা লৈরবা থম্বত্ মমান্নব-শিংগা লোইবী চীংলোন লান্না ষণক্লেন ষণ্ডাক ঙম্লগদবনি অত্বু শলাং নিংথৌনা থম্ববু থবাই থোঙাল লানথোকহন্দে, শামান লে মান্নবা অমত্তা তিন্নহন্দে। মচিল মৌপানস্থ মপা শক্লবা শলাং নিথৌনা হায়বা য়ারা অমত্তা হিকত্তোকে মপুক্লিংদা থন্লে। শলাং নিংথৌন বেগে কনাগী মফমদস্থ মপান্নি মমোম অনিগী অশেঙবা মরী মথোঙ কাংথোকখিদে।

মরিশুবা মতাং

থম্ব-থমনুনা ময়ুমদা হল্লকপা

তাইবং মীনা নীংবনা অমা থোয়ুম লাইনা তংনা অমা হায়নবত্ মচিল মৌপাদা থোক্লরে। শলাং নিংথৌগী মশাইকোন্দা থম্বা থমস্থ মচিল মৌপানা লৈরকপসে চহী কুমজা কয়া হৌখ্রে। থম্বা পাখং শরেপ ফারকপা থমনুনা লৈশাবী মপুং মরৈ ফারল্লবদা চিংঙ থাংজী লাইনা ময়ুম মোইরাংদা পূরকলে থোয়ুম রাখল তৌরক্লে। নোংমা শলাং নিংথৌনা মরোই হাওয়াম পুরগা কেগে মোইরাং নিংথৌদা চহীগী লোইপোংকাবা চংখ্রিঙৈদা থম্বনা মপা শলাং নিংথৌগী পামলৌ ঙাকলুগে থল্লত্না তরা চাকওল চারগা মচেমগী য়াথং লৌত্না থোরকপদা লম্বীদা শামান লেংমান্নবা মপাঙল শরেপ কারবা হাও পাখং মঙানা থম্ববু য়েংলগা কাল্লেমত্না নোক্লে। মথোয়গী কল্লেমবা য়াঙাংত্ তানা তানা থক্ক পাওখুম

পীরমদে, মপাগী পামলো তাম্না চৎখি। মুমিং তারমদাইদা খম্বমা পামলোদগী হল্লকপা, মপাগী পম্বোং য়োরমদাইদা ওসাই মাবু করেম্নখিবা লোইবী হাও পাখং মঙাদো মানা চৎকদবা লম্বীদা থৎতুনা ফমদুনা লৈরম্লে। খম্ব উবদা মখোয় মঙাদো ফাক ফাক নোকই, উশিংতবা মিংয়েংনা যেংলগা মপা মমা মশক খঙদবা কেগে লমজা মোইরাং শাবা অমবু ফাবগা ঐখোয়গী শনাং নিংথৌনা য়োক্লিবসি মপাঙ্গল চাউবে, পাখং কাংনোং ফারে অতুবু মরোলদি থোক্কে মথৌনাসু লৈতে হায়না করেম্নবা রাঙা দু তাবদা খম্ব শাউনিংবনা লরাই লুতোন শাংলে। হাও পাখংশিংদা ওনশিন্নগা পাখৌ মরূপচা লোইবী হাও পাখং মঙাখক! নখোয়না চিঙ্গোয়বিবিবদু কনাদনো হংলকপদা নঙবুনি খুম্নবদা খম্বদু শাউবনা লুতোন কাখি। তৌজিক্কি রাইরা ইশা থোকলে দুবেল ইরান ওইরে। নখোয়না ঙম্নগা ঐগী য়াইবা থরায় লৌ, ঐনা ঙম্বা থোল্লবদি নখোয় মঙাবু পম্বৌ শনাং নিথৌগী পম্বো দা পুন্দুনা খমগে। অসি হায়য়ুম্নগা খম্ব মফি শেনদুনা হাও পাখং মঙাগা মুক্লা শান্নদুনা নমনবা হৌরক্লে। মপাঙ্গল মথৌনাদা শরেল নোংশাগুম্বা খম্ববু লাকচবিগদবা কনাগীসু মতিক লৈতে। ঙাইহাক ফুনবগা লোইবী হাও পাখং মঙাদো খম্ববু কিবদগী শমজি খাইদুনা মথুল তাম্না চেম্নখি। মখোয় মঙাগা ফুনবদা খম্বগী মশা পুম্বা উকুল রাইফুল তৈবগা হল্লকপদু উবদা খমমু মুংশাথীদুনা মতনিংথৌগী নাক্তা চনশিন্নকুনা ইচেমগী ইবুঙো করিংনা শমু হকচাংদা উফুল রাইফুল তৈববু কনাগা খৎচৈনরুরিবনো হায়না মচেম্না মুংশাথীদুনা হংলকলে। মচেমনা হংলিবা রাংহংগী পাউথুমদি পীদনা খম্বা মমিংতা পিরাং শিম্নুনা মচেম যেংলগা "ইচেমহল! য়ারা ফিগৈ শেংবিয়ু। ঐখোযবু পোকপা পলেম পম্বৌ কনানো, লমলেন কৈদা লৈবগে" হায়জরক্লে। মতুনিংথৌগী য়ারাদু তাবদা খমমু কোকচাউবী কাদুনা মমা শনাং লৈমা তাখিনি মন্তাগুম মৌপাংগী মচীল মেল্লগা মুংশাথীনা তুং মাঙ কোয়য়েং য়েংলকই। "ফচীল মইরেঙ হেনথা লোইবীচা কনানা চিঙোয়নরম্বু; খঙদদুনা চিঙ্গোয়নবনি খঙইদা তাকল্লু। ইদুমিংথৌ ঐখোয় অনিবু য়োকপী থাকপিরিবা

পলেম পান্থৌ অনিসে ইচিল ইপাবু পোকপনি।” অসুম্না চিঙোয়নরগা থমনুগী মিংলু নাপোম অনিদা তৌবকপা পিরাংদু থিংবা ঙমদতুনা মৌপা উখিনি থন্দুনা মরু লুকথনা লৈত্রে। থম্বনা চঙশিল্লগা ইচেমহল নত্তুনিংথৌদা অশেঙবা যাম্নাদু তাকপিম্নু। নংত্রবদি ঙসি কোয়ৌদি নৌপাদি তরা চাক চাথ্রোই, লাইজ ঈশিং থকথ্রোই, য়াইবী থরায় থারবসু অতু মঙাইরে। চিঙোয়নবিবা মৌপাগী অরেপ্পা য়ারাদু তাবদা থমনু অরা রাথল লম্নকনতুনা পাউথুম পীবসু ঙমদনা মরু লুক্কুনা ইমুংদা চঙখি। মচেমগী অরাবা মায়থোংদু উবদা থম্বসু তৌকম থঙদতুনা ফমুংদা কাখৎলগা হিপ্তুনা লৈত্রে, মচেম্না কৌবসু খুমখিদ্রে, তরা চাক চাউ থকউ অমত্তা য়াখিদ্রে। মমা শলাং লৈমনা মপান থোকখিবগা মৌপনা মথরায় সুংঙাই-তবদু উবদা থমনু থাঙবা ঙম্রক্রহনা মনাক্তা চঙশিল্লগা নাপ্পা চিন্না পুকমেন পাওমেন্নবল্লে। ‘ইচেমগী ইংঙো সুংশিবা। ইচিল ইপাবু পোকপা পলেম পন্থৌ অনিদি য়ামজেম মৈরা মুংতুনা কোয়ৌ নোঙ্গানখ্রে। হৌজিক ইচিল ইপাবু য়োকপি থাকপিরিবা মচাগুম্না লুনা চান্না তৌবিরিবা পন্থৌ শলাং নিংথৌ অসে ইপাগী মরূপনি ঐখোয়বু পোকপা পান্থৌনা থমনুং শরা তাল্লমদাইদা ইচিল ইপাবু পন্থৌ শলাং নিংথৌদা শিন্নবিরম্বনি। অতুনা অহল অনি অসি ঐখোয়বু য়োকপি থাকপিবা পলেম পন্থৌনি। ইতুনিংথৌ নহাক পাঙ্গল শরেপ ফাত্রি, তম্না লৈক য় নমান্নবগা শামা মায়োক য়াবা ঙমথিবোই পান্নমা সুংদা থন্দুনা ইচেম্না অপোকপা পলেম পন্থৌগী অশেঙবা কোলোয় মিংলেন তাক্তবনি। ঐখোয়বু পোকপা পন্থৌদি মপু মোইরাং নিংথৌগী অচানবা লৈবাক্তী ফম্নাইবা অথোবনি। মমিংনা নো য়াই চাথাওম্বা থুমন পুরেম্বা কৌই। নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা মপুগী য়েংথাং ওইবনা কেগে কংলা কাবদা দোলাই কৈনা তোংবা কুম্বদনা লাজোই শগোল তোংলগা মনাই মশলনা য়েংকা ওইগা থৌগল তৌবা, নিংথৌ লৌচা মনাক্তৌ ফংতুনা কেগেদা মনীং মথা ঙম্না পাক্লম্বনি। অপোকপী পলেমগী মমিংনা “ঙাংখলৈমা য়ুয়েন-জোমপোকপী, কোইদিং লম্মিংচুম্বী” কৌই। অপোকপা পলেম পন্থৌনা

থম্বিরম্বা লৌরি যুমফম, কা মাপলগী যুমজাউ কেগে চেংগৈ পাংঙো লৈবি, ইচিল ইপ্‌ৰাগী অৱাংপা কবিস্নু লৈতে। নহাক্কী পাঙ্গল শরেপ ফাত্রি খন্দুনা ইচেম্মা পম্থৌ শলাং নিংথৌগী মগাইদা শাইদাংহুনা লৈরিবনি।" মচেমগী য়ারা মপাউহু তারগা খঙহৌদনা খম্বগী মখিত্তা শিরাং শিন্থখি। খম্বনা মচেম য়েংলগা পলেম শকপী ইচেমহল! পোক্তবা পলেম পম্থৌনা নাউযোক নাউকোন্দুনা লে'ইবী হাওখুন্দা শাইদাংহুনা পুন্সি লেনগদবগী শরুকপুরি ৱাববসু ৱানা চান্না নাম্মতা চারবসু পলেম পম্থৌনা থম্বিবম্বা ইচিল ইপ্‌ৰাগী পোক্লফম অশেংবা যুম অহুদা খুযা তুশিংনা লৈরুসিবা ইচেমহল" হাযবক্লে। অসুম্মা খম্বনা অবেপ্পা লৈত্তনা তকশিল্লক্লবদা খমনু খাংবা ৱারক্লে। মচিলমৌ প্‌ৰানা ভাঙনবিবা য়ারাহু শলাং লৈমানা মপান্দা লোন্না তাবম্মী। মতম অসিদা কেগে মোইবাং লৈবাক্তা লোইপোৎ কারুবা শলাং নিংথৌ হুন্নকপা উবদা মচিল মৌপ্‌ৰা অসিদো য়ারা মখা তাদনা তুসিন তুমিন লৈনখি। খম্বা খমনু অনিনা মপাগী নাক্তা চঙশিল্লগা হরাও ভয়াম্না মপাবু ওকচৈ। মুমিদা'গী ভয়া মথেল চারগা মুংঙাইনা ৱান্নী শাহুনা পোংথামরে। অহাংদা শলাং লৈমনা মশাবি নিংথৌদা খম্ব-খমনু মচিল মৌপ্‌ৰানা ভাঙনখিবা ৱাফম পুন্নমক অমত্তা চিংথদনা ভমখি। পায়মা লৌশিং শিংলবা শলাং নিংথৌদো কৈ ফত্তে পাউখুম অমত্তা পীদনা পায়মা মুংদা তবেং ভন্না থোক্লা ৱাথল তৌখি।

নোংঙাল্লগা শলাং নিংথৌনা খম্ব খমনু মচিল মৌপ্‌ৰাবু কৌথোক্লগা "পারি ইমোম অনিমক! ওরাং ইপানা কেগেদা লোইপোৎ কাবা চংলুবদা পাথৌ পুরেম্বনা শারম্বা কা মাপল শাংবা যুমজাউহু হৌজিক কাওবা তেক-কায়দনা লৈহৌবহু উবদা ইপাদি পায়মা মুংওন্দুনা পংকপ কপথোক-উরে। ইহুনিংথৌনা পাঙ্গল শরেপ ফারবনিনা ইয়োমগী পায়মা মুংদা চিংনরুগন্নু। কোয়েৌ শিংবুম থরদং ওইরবসু নহুরিংথৌগী মনীং খুংননবক পলেম-পম্থৌনা শারম্বা যুমজাউ অহুদা লৈরুচো, মুংঙাইত্রগা ইপাগী যুমদা

অমুক হল্লকউ। পারি ইমোম অনিগী চান-থক্লবা অরাং অপা পুন্নমক ইপানা পীগনি, মরক মরক্তসু থারক্কনি। ইমোম ইবেম্মা কৈরোয় লৈকায় মীমাঙদা লৈত লায়র উংতুনা কেগে লমজানি মোইরাং শারানি খঙহন্নুগনু হায়রক্লে। মপা শলাং নিংথৌগী য়ারাতু তাবদা থমন্নুনা মপাগী মথোঙ কোল্লগা নোং খোংবগুম কপলক্লে। ইপাগী লাংলেন ইবেম্মা! ইমোমগী পায়মা নুংদা করিগী চিংনবগী ঈথক ঈপোম লাংলিখনো ইপা লৈরি। অসুম্না শলাং নিংথৌনা থমন্নুবু থেমজিল্লগা অয়ুক্কী চাকঙল পীজন্নুনা মচিল মৌপাগী চানবা চেং-ফৌ অচা অথক হাওপোং মঙা শেম্নগা মরোই হাওয়ামগা লোয়ননা শলাং নিংথৌনা মচিল মৌপাবু মোইরাং তান্না থিনবিরক্লে। কেগে চেংগৈ পাং য়ৌরন্নুনা মতাও পুরেম্বনা থনম্বা মরানয়াই য়ৌরে। মপারি মমোম অনিবু নুংশিনা পুকমেল পাওমেন্ন-রম্নগা শলাং নিংথৌনা কোরৌ নারল রায়খিন্নুনা খোঙহাই থূম্না য়াংনা লোইবী মশাইকোন পাংখি। নুমিৎ অন্নুসু মতাও চাউবা থোংলেন অনিদা তাকলমগে থনববু থেংখিবনা ঙম্নমদে। নোংমা হেক লাক্লগা তাক্লগে মথল্লি, লাইনা তত্নিনা লাকপা ঙমদন্নুনা অন্নুম মতোকই। অসুমনা তাকে থম্না থন্না ঙমদনা হৌখিবনা চহী কুমজা কয়া হৌখ্রে। চিংঙ থাংজীংগী থৌশিনবু তাইবং কনানা খঙবা ঙমগনি। মপা পুরেম্বগী কা মাপলগী য়ুমজাউ অন্নুদা মচিল মৌপানা মপা শলাং নিংথৌনা পীরকপা চেং ফৌ মনা মশীং চান্নুনা থরাই থোঙাল লান্দমা লৈরকপা লোইদাম থাবুম কয়া হৌখ্রে, নোংহৈ কুম ওনশিন্নক্লে। অঙাং নাউরা পইরিবৈঙদা পামব কৈনা য়াইবী মথরায় লৌখ্রে হায়না লৈবাক শিনবা থুংনা পাউ শন্দোকখিবনে, চহী কুমজ: কয়: লোইবী চীংদা শাইদাংন্নুনা লৈক্করগা পাথং শরেপ ফারগা লৈশাবী মপুং ফারগা মচিল মৌপানা হল্লকতুমা ময়ুমদা লৈরবসিদা কেগে কৈরোয় লৈকায় কনানসু হংবিদা, শাগৈ নাতৈনসু থিখিরদা মচিল মৌপা অনিবু কেগে কনানসু মশক খঙবিদ্রে। মচিল মৌপানসু কেগে পনথান লান্দানা মপানা পীরকপা

ফৌ, মনা মশীং হুরাই চাহুনা। লৈবম্বদগী লোইথোকখিহুনা চারা হেনবা তারক্লবদা খম্ব মথরায় রারে। নোংমা খমম্বুনা মহুনিংথৌ য়েংলগা, "ইচেমগী ইবুঙো লায়রবা! ঙসিদি ইচেম লমলেন লোকতাক পান্তা কুমহুনা লেমলৈ ঙাবম তাল্লুগে। ইচেমগী হৈনা ইতুংদা খবাই থোঙ্গাল লাম্থোকহু পুংফমল পাওয়েন্নবক্লবদা মচেম্বু কিবদগী খম্ব খরাই থোঙ্গাল লাম্থোকে খনখিদে। মচেম্না হুমিং খুদিংগী লোক্তক্তা লেমলৈ ঙারম তান্দুনা লবুক লমহাংদা চমজৌ য়েনশাং হেক্কুনা মহু পুরগা কেগে অউন কৈপেন্দা যোন্দুনা তরা চেং রাল্লি। নোংমা অমনা লৈকায় ফৌম্বু লংহুনা মহুদা ফংলকপা চেং শরহু থোংলগা চায়। লৈকায় লান্না শিলংবা চংশবম্বু নোংমতা চারা অ নিংহুনা চাবা ফংলক্রুবদা খমম্বু মথরায় বারকলে। অমুন্না নোংমা নোংমগী চাবা তম তমহুনা মচেমনা য়োক্লকপনা শামা পাঙ্গল চাউরক্লবা পাখং শারেপ ফারক্লবা খম্বদো মবুক থন্না চাবা ফংলক্রু-বদা ইকায় ইকি রাংমা লান্না তরেং শিল্লংহুনা মচেমগী মতেঙ পাংগে খল্লক্রে। মচেম্না অউন কৈথেলদগী কুম্লক্লপা পুবকপা চেং অহুনা থোংহুনা মচিল মৌপুংা চামিন্নরে। খম্বনা মচেম য়েংলগা, "পলেম শকপী ইচেমহল! পলেম পম্থৌ পিক্লা শেংনবনা চেংলৌ শকথঙহৌদ্রবা নহুনিংথৌবু ইমা শক্লা য়োকপী থাকপিরিবী ইচেম নহাকপু ইমা কৌবদা মতিক চায় খনজেদো নৌপুংনা। তাইবং মীয়োল খঙদ্রিঙৈদগীনা ঙসি ফাওবদা পলেম শকপী নহাক্লা নৌপুংাবু য়োকপদা অরাবা কোঙ্গায় থাংলক্লবী, ফৌম্বু লংবদা খুবাক কুয়োল হুরবী, শিংজা কোকথোং পুবদা লরাই কোয়রেল তাঙলবী কৈয়োয় লৈকায় লান্না তয়েং শিল্লাংবা চংপদা খুনিং খুয়া পারবী. নৌপুংাগী পাঙ্গল চাউনবা খনবদা ইকায় ইক্লি রাংমা লাল্লবী ইচেম নহাক্কী লমনবু করম্বা মতমদা শিংবা ঙমগদগে খল্লুবদা নৌপুংাদি রাখল লংজিন পুনশ্রে। ইচেনা রানা য়োকপিরকপা নৌপুংাদো ঙসি শামা পাজল চাউরে, ইচেগী নহুং শিন্দুনা কেগে ইনাক কৈয়াক খুনবা রাংত পাদবা কয়াগী মনাক্তা তরেং শিল্লংলুরগা ইচেমবু অমুক শ্লোকচরগে নৌপুংাগী পায়মা মুংদা লেপচরে। নৌপুংনা নীংজরিবা অসিদদি ইচেমা

থ্ংহনবিয়ু" হায়জরক্লে। মতুনিংথৌগী মুংশিরবা য়াম্না মপাউথোক অতু তাবদা খমম্থু মমিংতগী পিরাং শিন্থখিবা খঙখিদে।

মতুনিংথৌবু মুংশিনা য়েংলগা, "ইচেমগী ইবুঙো লায়রবা! কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কোম্থোং অনিস্থনা লানদ্রিবা তরা লৈকায় নমান্নবগা শকখঙ মায়খঙনদ্রিবা নোংয়াই নহাক্না করম্না ক্ষেরোয় লৈকায় লান্না শিল্লংবা চংকদৌরিবনো? কেগে মীয়ুক তিল্লক্তবনা লমজা নঙবু মুংশিবিরস্থু য়াওরমগনি, তাখিবস্থু লৈরমগনি, কল্লক য়েংথিবস্থু লাকনি। অদুনা ইচেম্না নহাক্না খরায় থোঙ্গাল লানহনিংদে, চংথোক্নু ইবুঙো। ইচিল ইপাগী মতম লাকখিনি, করিগী ঙাইঙমদ্রিবনো? লৈতলায়র অসি ইচিল ইপাগী ইণরুক নত্তে। কেগে মোইরাং লৈবাক্তা লায়রবা মপাল থাদে ইনাকখুনবা মউ লিংদে, চিংঙ্ থাংজৌংগী নোংদমখোল ঙায়খিসি" হায়না মৌপাবু থেমজিল্লি। অঙাং নাউরা ওইহৌরিবঙদদি মবুক লাম্নগা কপ্পা, মপুক্ক থল্লগা নোকচবা; মৌপানা পাখং ফারক্লবদা মবুক চাউহনা মুমিং খুদিংগী অরৈবা খরদং চরা তম তমহনা পীজবহু মবুক থন্দহনা মশানা ঙুর নোমজরগা মবুক থন্না মনীং থংনা চাগে খল্লবোই নীংলহনা লায়রবী খমগুদো গায়মা পুক্কিং মুংওল্লে।

নোংঙাল্লগা খমম্থুনা চরৈ নমথাং অহনবা অমতং ইনশিল্লগা কৈরোয় লৈকায় লান্না তরেং শিল্লংলুরগে মৌপাগী মবুক থন্নবা কোচেং য়াম্না পুরাকে খল্লহনা চংকে তৌরক্লবদা খম্বনা মচেম্ থামলক্লে। রাজরবী মচেমবু পোংথাহল্লগে, মামা ঙম্বা ঙ নোম্লগা পিজ পিথক্না য়োক্লগে খম্বগী মপুক্কিংদা চপ মুংনা লেপথে। "পজেম শকপী ইচেমহল! পোকপদগী ঙসি ফাওবা রাজরক্লবী নহাক্না কৈরোয় লৈকায় লান্না চংহনা নীবদা ফংল্লকপা অহনা য়োক্না চাউরক্লবা খোপ্রমা মীয়োল খঙৈঙদগী ঙসি ফাওরদা মসি চাগে, মসিনা হাউই, হাউতে হায়জরক্লবহু ঙজিদি ইচে নংগী নফমদগী মৌপানা পামজবা অমতংদি চরৈ ফিগাউ শানা নিজগে, নতুনিংথৌবু মুংশিবিরক্লবদি লংজনা পিনখিয়ুগবা ইচেমহল হায়জরক্লে। মতুনিংথৌগী য়াম্না মপাওতু তাবদা রাজ-পাদবা মচেমঙম মৌপাবু মুংশিনা নানখিরগা থৌনা ফনা ইচেমগী ইবুঙো ইতুনিংথৌ! নোংয়াই করি পাম্বগে

হংবিরক্লে ! মচেম্না অম্না অনা খঙদনা ইকায় ইকি ৱাংমা লাম্না তন্না চাকনি ফিনিনা য়োকপিরকপা ঙসিদি শামা পাঙ্গল চাউরক্লে, তন্না লৈকায় ইমান্নবগা মায়োক য়াবা ঙমজরগনি। ইচেনা কেগে কৈখেল কাবদা থাঙজো অমা লৈখিরকউ ! মহু পুরগা শীং চললুগে, ইচেনা শীংহু য়োনখিহ্, অফংবা মমলনা চেং ৱাল্লগা ইচিল ইপা পুক থন্না চামিন্নসি। ইচেনা কোরৌ খুদিংগী কৈরোয় লৈকায় লাম্না চংতুনা শিল্লংবা তোকপিরো. মৌপা য়েংবা ঙমদ্রে। ইচিল ইপা চঙনা শু-নোম্নবদি শেৎপা চাবা নীংবা থুংগনি, অৱাং অপা লৈররোই হায়রকপা মহুনিংথৌগী অচুম্বা য়াৱাহু তাবদা খমন্নু পাউথুম পীদনা মক্ক লুক্নুনা লৈখি। মৌপানা হায়ন্নিবা য়াৱাহু অচুম্বা ওইরবস্থ করম্না মৌপাবু লৈকায় লাম্না শিল্লংঙুচো থারসিগে খল্লুবদা চংলু হায়সি হায়ঙমদ, চৎকন্নু থিংলে মথৱায় মুংঙাইখিরোই খনবদা খমন্নুদো ৱাখল ংংজিন পুনখ্রে। অম্নুম্না তরেৎ তন্না থোক্না খল্লুংগা মহুনিংথৌ চিংনা য়েংলগা ইচেমগী ইবুঙো ইহুনিংথৌ ! হয়েং ইন্নুং ঙাল্লগা নোংয়াই নঙনা অপাম্বা তরেৎ শিল্লংজরুদ্রো তাকপিরক্লে। মচেমগী য়াৱাহু তাবদা নোংয়াই মথৱায় মুংঙাইরবোই হোয়নে ইচেমহল, মহুতনি নহুনিংথৌনা পামজবস্থ খুম্নক্লে। মুমিং অহুদগী হৌনা খমন্নু কৈরোয় লৈকায় লাম্না শিল্লংবা চৎখিদ্রে।

মঙাঙ্গুবা মতাং

ষণ শেনবা

চিংঙু থাংজীং লাইনা মন্নুং মতম চাদ্রি পাঙ্গল শরেপ ফাদ্রি খম্দুনা তাবু মুংদা থুপচাগমা থম্বা চরৈ ফিগুম লোৎতুনা খমলিবা খম্ববু লৈবাক মীয়াম মমাঙদা পুথোক্লগা নিংথৌনা শকখঙ মায়খঙনহল্লগে থোয়ুম ৱাখল তৌবিরবোই মপাল থোকউ য়ারমদবা খম্বদো কেগে পনখান লাম্না শিল্লংহনা মচেমগী মতেঙ পাংলগে খল্লহনা মচেম্না লৈখিবা থাঙজো অহু পামরগা থাংজীং চীংজাও কাহুনা পামেল শিংজা চনবা হৌরক্লে।

মানা চনবা পামেল শিংজাতু মচেম্না কেগে অউন কৈথেন্দা য়োম্লগা মতুদগী ফংলকপা মমলনা মচিল মৌপ্‌ংগী শেংন-চানবা লৈরকই। নোংমা অমনা লোক্লাক পাংন্তা কুমতুনা ফারকপা লেমলৈ ভায়াম অতু মচেম্না য়োম্লি। অমুম্না থন্মনা মুমিং খুদিংগী পামেল শিংজা চন্দুনা লেমলৈ ভায়াম ফাতুনা মচেমগী মতেঙ পাংবদগী শেংপা মনীং থুংদ্রেবসু চাবদদি মবুক থম্না চাবা ফংজরে. কৈরোয় লৈকাম্বদগী চাকনি ফিনিবা ভোকত্রে। মতম অসিদা মপু মোইরাং নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো চীংখু নহা তেল-হৈবনা লমলেন হাওতক্তগী খুরুম্নগা হায়জতুনা পুরকই হায়বগী যণগী মমিংবু 'খুরুম যণ' কৌতুনা পামজনা য়োকখিবা খুরুম যণ অঙাংবতু মপাঙ্গল শরেপ ফারক্তুনা নোংমা নোংমগী ভাওবা হেনজিংলক্তুনা যণগোন্দা কোমকৈ রাংনা খাতুনা পৌরোন লোন্দুনা থমত্রে মপান্দা থোকহনখিদ্রে। অঙোম শাগৈগী ফম্নাইবা খুম্থৌবগী মচানুপা মমা খুরাই চৈমগী মপারি কোংয়াম্বতু মপাঙ্গল মথৌনা লৈবদগী যণশেনলোই হঞ্জবা ওইবদগী চহী তরেৎ পানা লমডেল থোইদুনা, মুক্ত। কাংজৈনা মাপা লৈতদুনা শেলুংবা হাপ্তুনা নিংথৌগী খুনথা পানাগী পানা মকোক ওইরিবনি। মনাও ইবুংঙো চীংখু নহা তেলহৈবগী খুন্থক পানাদি তারি নামোইজাম্বনা মকোক ওইরি, রাঙ্গোন নিংথৌগী অমত্তা পোকপী থাদোই চীংলাইংবী উথম্বালগুম্বী নাইতোম পোকপী থাজগুম নিংথিবী মঙাইহেম্মা থোইবীবু লৌবদা মতিক মাপা চাবা শক্তা পাঙ্গলদা শৎং শাদাদা থৌনাদা নোংবান ঐ নত্তনা কেগে মোইরাংদা কনাম্সু লৈতে থন্দুনা নাপল কাজরিবা মহাক্নি। মপাঙ্গল মথৌনাদা লাম্বা চাবা শাবান লেংমান্নবা কেংগেরা কনাম্সু লৈতবগী অঙোম শাগৈগী মম্নাম্বা ওইরবসু তারি নামোই-জাম্বনা চহী কুমজা খুদিংগী মুক্না কাংজৈদা নোংবানগা লাবা পারিবনি। রাঙ্গোন নিংথৌগী মী উবা য়াদবা খুরুম যণ অসি শেনবা ওন্থা মীদা যণশেলমল ওইনা চেং চেংকোক অহুম পীগনি হায়না লৈবাক খঙনা লাউ থোক্লবা ফাওবদা কিনহুনা কনাম্সু যণ শেনগে লাক্কে। থম্বনা থাংজীং চীংগোলদগী য়াম্লুবা শীং কোকথোংতু পুরগা ময়ুমদা হল্লকপদা তারি

নামোইজাম্বগা চেংগৈ পাংতোন্দা থেংনরে। মপাঙ্গল কনবা চুং ফিরান চাবা মীওই মীতৌ ফজবা খম্ববু উবদা চঙশিলক্কুনা খম্বগী মমাঙদা লেপলগা ‘ইবুঙো নহাকপু কেগে কনাগী মচানো করি লৈকায়দা লৈবনো কোসে'ব মিংলেম্না কবি কৌবগে’ হংলকই। ইয়াম্বা! কেগে লমজা মচানি, ইমিংনা লায়ববা কৌই, কেগে খুন্থক্তা লৈবনি ক'ব তাকপিগ-দবা লৈবগে’ হায়রকপা খম্বগী রাঙাংথু তাবদা তাবি নামোইজাম্বদো মথরায় মুংঙাইরে। ইনাওনা নোং হেক ঙানবদগী পামেল শীংজা লাংবা অসিনদি শীং কোকথোং অমদগী হেনবা ঙম্মোই, মথুনা নোংমত্তগী চাবাদমক ফংগনি। হয়েংদি ইয়াম্বগা মফম অসিদা উন্নসি নহাক্কী অফবা থবক শিন্থা অমা পীবিগে নোংমদা চেং চেংকোক অহুম ফংগনি তাকপীবি। মথুদি যাম্না ফবা শিন্থানি ইয়াম্বনা শোয়দনবা শিনবিয়ু, হয়েং অয়ুক মফম অসিদা ননাও ঙাইথুনা লৈজবমগে হায়বয়ুগা খম্বদি শীং কোকথোং অথু পুবগা মঘুম পাংখি।

নোংঙাল্লগা খম্বনা মচেদা ‘ইচে ঙসিদি তরা চ'কঙল থোংবিয়ু। কোয়ৌ মুমিং খুদিংগী চনবা শীংফম অথুদগী থরা লাপ্পা চনবা তারে— অথুনা তবা চাত্রবদি হল্লকপা রানি” হায়বকপা মোপ্‌াগী য়ারাথু তাবদা খমম্নুনা চাক ঙম্না থেংবিথুনা মোপ্‌াবু পীজরে। খম্বনা খুদৈ মজুনবা অমা শেংথুনা মরাক তাইবা ঙাবোং অচৌবা অমা খাওননথুনা মখুংতা লিচৈ মচা অমা পাযরগা চেংগৈ পাংতোন শমথুমা লাল্লগা, তাবি নামোইজাম্বা ঙাইথুনা লৈরে। তারি নামোইজাম্বথ লাল্লগা ‘ইনাও ইবুঙো! ঐনা পীগদবা শিন্থাদি অতৈ নত্তে। মসিদগী কৌক্রু পাংনা চংলগা হোজং অমা থেংনগনি। মযণদনা যণগোন থম্মা লৈবা মুম্বান কৈবাল মুংঙাই য়াইফবা ইনাক খুনবগী ফজববা যুমজাউ অমা থেংনগনি। মথুদা চঙলগা মাগী যণ শেল্লুচো মাগী যণবু শেল্লবদি নহাক মুমিং খুদিংগী তম্না চেংকোক অহুম ফংগনি। ইয়াম্বনা নহাক্কীদমক্তা ঙাঙমথুনা থম্লননি। হৌজিকমক চংথুনা যণ শেল্লুয়ো হায়থুনা খম্ববু থারকলে। কেগে খুল্লক কোয়রক্কবা খম্বদো মযণনা যণগোল থনবা ইনাক খুনবা মুংঙাই য়াইফবা যুমজাউ য়েংল য়েংলথুনা লাকপনা রাঙোন নিংথৌগী

খবাই খোঙ্গান্দা থুংলরে। ফজরবা মুমজাউ অহু উবদা কেগে ইনাকখুনবা
ময়াই য়াইফবা হায়রবহু মসি ওইবা তারে হন্দুনা অপনবা লৈতনা
চঙশিল্লকহুনা শুমাং মতোন্দা চাউথোক চাউনা লেপলুরে। কোরৌ
মুমিংতু রাঙ্গোল নিংথৌদি মাঙ্গোনগী ফমেন্দা অরোনবা ফজ্ঞী মথক্তা
থারিবা চরৈ ফিংথৌদা ফমগ। মনানা য়োম্বা হিদাকফু, লুপানা যোম্বা তোংজে
থাবুম পায়রবগা খুদোং চেপ্লা ফান্দুনা তংজা লৈদ। লুক্কুনা পায়মা রাখল
'তৌবি মমোম লা লেন ইবেম্মা অমত্তা পোকপী থোইবীসু মাঙশোক
উথোকতেল ময়াদা ফমগা শামুক মাঙদা থা, মোল্লাংনদি য়াইফচল,
কবং লংজা তরেৎনা ফাইহুনা লেংলিবা কবো য়েত্তুম অপিশক্কা লংলা
থিহুনা চরৈ ফনেক লোন্দুনা লৈ। মনাই সেমুনা মুরাগী নাক্তা কমদুদা
কবং লংজা মচা থায়দোক্লি। মপু মনাই অনিদি মতুং ওন্থোক্কুনা
লৈবনা খম্ব লাকপহু উহৌদ্রে। খম্ব মাসু রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা
চপ লেপতুনা নিঙোলশিংদা অমুক য়েং, রাঙ্গোল নিংথৌদা অমুক য়েংহুনা
লৈরে। মনাও ইবুঙোনা হিদাক মৈখু কামথোকপগী মায়থোং হাইগৎ-
লকপদা শুনাংদা নোংয়াই মানা য়াঙ্গোই শামু হকচাউবগুম তুমিন্না
লেপ্লম্বহু উবদা খংপ্রেক খংই। চরৈ মনজুনবা শেংপা ঙাবোং থাওম্নবা
শওং শাদাদা মউ ফবা পামেল উগুম্বা কুচু কুমেন্না কদোংবা লুপাগুম্বা
খম্ববু উবনা খোয়ুম কনাগুম্বনা তাইবং মীগী মশক লৌরগা লেপ্লবগুম
খল্লুরে মনাও ইবুঙোদো। অচম্বা মী মান্দে চীংদা তোংবা হাওসু নত্তে,
খল্লহুনা তমব নঙবু কনানো লমদম কৈদগী লাকপনো, করি চিঙ্গোয়নিংবা
লৈবগে হংবিরক্লে মপুনা। পম্থৌ ইনাকখুনবও! ননাই লমজা মচানি
শিল্লংজগে লাকপনি খুমজরকই খম্বনা। পম্থৌ ইনাকখুনবা হায়রকপা খম্বগী
মথোলহু তাবদা থোইবী সেমু মপু মনাইদো নোক্লিংবা থাংলগা হম্না
য়েংথোরকপদা চারাম্নবা নোংশাগুম মচুম তাবা য়াঙ্গোই শামুগুম লেপ্পুনা
লৈরম্বা খম্ববু উরুবদা শজি মিত্তা গুমজবী মুরাগী মিম্লানা মিংচান্নবা
য়েংজবদি ঙমজদা য়েংদি য়েংনিং লুদা চঙবা তাংজা লিনহা মচানা মহিক
ময়াই চম্বগুম মুরা থম্বাল মানবীদো ইকায় খুংশি য়াম্লনা খোইরুম মোমোন

নোক্লুনা মায়থোং মাংলেম কৈদা লুক্খজে। পাখং ওইবা মহাকম্ন লৈরাংগুম্বা নৌরনী, শিজেংগুম্না হেল্লনী মায়থোং থম্বালবু উরুবদা থংহৌনা খোঙদগী তোন ফাওবা তু চুংখিবা থঙহৌদে। মবেম্মগী মতৌন্থ উবদা সেম্ন মাদি চম্মনদুনা থম্বদা অমুক য়েং, মঙ্গাইবেম্মদা অমুক য়েং তৌফম থঙদদুনা লৈরে। মপু মনাই অনিদো রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙনদনা মমিং থংনদুনা শঙ্গাইফুংদা চঙঙগা থোংজি নাতে অহোবদা খম্ববু লোম্না হুনা য়েংজখি। ঙসি কোরৌ ন্নুমিত্তা ননাইনা শিন্থা অমত্তংদি পীনরিম্নু। ষণবু শেল্ল্ শেনঙ্গগে লৈপাকপু তৌ তৌজগে হায়জরক্লে থদ্বনা। তমব নঙবু কেগে কনাগী মচানো, লমদম কৈদা লৈবনে', কোলোয় মিংলেম্না করি কৌবগে' হংবিরবসে মনাও ইবুংঙোনা। "পান্থৌ মানবা ইবুঙো! কেগে লমজ্জা ওইবনা পালেম পন্থৌগী কোলোয় খঙ্জদে, ননাইগী কোলোয়দি লায়রবা কৌই মোইরাং খুন্দোনদা লৈজে" খুমজে থদ্বনা। মাগী য়ারাহু তাবদা মনাও ইবুঙোনা ন্নুংশিরিরদুনা ইমুদা ওনশিল্লবা 'ইমোম সেম্ন তারিব্রা? মোইরাং মচা অসিনা লেপলিবসে ফনম্নু মকুইরে' হায়রক্লবদা সেম্নুনা থ্না য়াঙনা মোরা পুদুনা থোরক্লগা মাঙ্গোলগী মাঙশোক্তা থারে। "ফম্ম্ ফম্ম্ ইবুঙো হায়রক্লবদা খম্বনা মোরাহু লাইবক কংলগা থরা চিংথোক্ল্না নাকচেং ওইনা ফমজে। খম্বগী মঙং মতৌন্থ উবদা লমঙ্গা মচা নহাকপু কেগে মোইরাং লৈবাক্কী নিংথৌগী মনাও ইবুঙো চীংখু নহা তেলহৈব থাবা থুংচুম্ব' হায়নবা কোলোয় মিংলেন্দু তাব্রা, চেংলৌ মশক থঙব্রা হংবিরক্লে মপুনা। ননাই লমজাদি কেগে মীরক তিন্দবনা থুঙ্গং লৈকায় লান্দবনা মপুগী কোলোয় মিংলেম্দি তাজে, চেংলৌ মশক্তি থঙজদে খুমজে লায়রবনা। খম্বগী অচম্বা রাঙাংদো তাবদা ন্নুংশি-বিরবোই রাঙ্গোন নিংথৌ হায়নবদো ঐনিনে ইবো তাকপিরক্লে মবুঙোনা। চুম্নগী ইনাক কৈরাক্ল থুনবনি খল্লম্বহু কেগে লৈবাককী রাঙ্গোন নিংথৌ ওইবম্রবদা থং কিখিবনা মশা পুম্বা তু চুংলে, শমু হকচাং তনিক তনিক্লে, ফমফমদগী হৌগংলগা তৌফম থঙদদুনা মরু লুহুনা চপ লেপ্পুনা লৈরে। মপু মশক থঙদবদগী রাহৈ কারন চনখিবা মিংয়েং নত্তবা য়েংখিবগী করম্বা

অরাক্নম তাগদগে থল্লুবদা খম্বদো মশা হুমাং কাংলে। মনঙন্দা ইল্লিশা চৈরৈ ঙবোং অত্থু লৌথোক্লগা মঙক্তা য়েংতুনা "যোল্লবদা কনশিয়ু, লাল্লবদা ঙাকপিয়ু, পু পাং স্নুনা ন'উয়োক নাউকোন্দবা লমজ্ঞানা রাহৈ কাবন চনখিবা মপুনা ঙাকপিয়ু" হায়না মালেম থক্তা কোংয়াং রাপুম তাবহুম মপুগী মাঙদা খুকুম্নে। "হৌগৎলো লায়ববা খঙদহুনা তৌবনি নঙগী নবাল লৈতে। নহাক ঐগী যণগোন্দা ফাঙিন্দুনা থম্লিবা অঙাঙবা যণ অসি শেনবা ঙমগদ্রা" ত কপিবক্লে মনাও ইবুঙোনা। মপুগী থৌজ্রাল ফংঙ্গরবদি ননাই লমজা ঙমজগনি" খুম্নকই হবাওনা খম্বনা। ফবে অহুদি লমজা ঙসিদগী ঐগী খুরুম যণ অসি শেল্লুরো য়াঃা ঙাঙবা যণনি, চেকশিন্না শেল্লু তাকপিরম্লগা মনাও ইবুঙোদি ইমুংদা চংখি। রাঙ্গোন নিংথৌগী মনাইগা লোয়ননা খম্ব যণগোন তান্না লাকমিন্নে। খম্বনা ইল্লিবা ঙাবোং অত্থু থুপচিন্দুনা মখ্বাংদা য়েংশিল্লগা যণগোনগী পোরোন শৎতুনা চঙশিল্লকপদা অঙাঙবা খুরুম যণ অত্থু মমিং তথক তথক্লা মমৈ ফিবাল শাহনা যনা অনি ফন্দোক্তুনা মমায় হাইগৎতুনা মানবি চিবেন অনিনা রাইহুনা হাংকে মত'গুম খম্ব তম্না হোৎচিললক্লে। খম্বনা নাকচেক ওইনা হন্দোক্লম্বা মথুংতা পাযরিবা লিচৈ অহুনা যণগী মযা'লেন্দ। অনিরক অচুম্লক শেং শেং য়ৈবদা ঐবু ঙম্বা মী লাক্লে খল্লবোই মী উৰা য়াদবা ঙাওরম্বা যণদো মমিং মনা ইতুক হেক তুকথাখ্রে। যণ ফুবগী মখোল তাবদা তম্পাকয়ুমগী মীয়ামদো মপান্দা থোক্তুনা য়েংনরে। যণগোন্দগী হেক হোইদোকপদা মমৈ ফিরান শান্না চেনখিবা অঙাঙবা যণগী মতুং ইন্দুনা খম্ব তা'ম্নখ্রে। যণগা খম্বগা অনিগী মতৌহু উবদা তম্পাকয়ুমগী মীয়ামদো কবমনো কবমনো হায়নরে, হুংশাথীবগা লোয়ননা মাঙোন্দা লেপ্তুনা য়েংনখি।

অঙাওবা খুরুম যণনা মমৈ ফিরান শানা ফি ফি কামহুনা চেল্লকপা উবদা লম্বীদা চৎলম্বা মীয়ামদো পাখৎনরে মযুম মযুমদা চেনশিন্নখিহুনা মাগী মাগী কোম্থোং লোনশিন্নখ্রে। যণনা লৈরক খুল্লক শমহুনা চেল্লকপা উবদা খম্ব মাদি হরাওরে, মীয়ামদি কিবনা মীপাইনরে। খুরুম যণনা

চেনবমখৈ চেল্লূরগা হারছুনা মোইরাংগী যণজেনবুংদা চঙশিনখিদুনা যণলুপতা চঙবনা যণয়াম কায়দুনা চেললে। অদু উবদা যঞ্জেন্নহা ময়ামা চেললকু না নোংবান্দা তাক্লরে। নোংবান্না শাউদুনা যঞ্জেন্নহা অমা খম্ব কৌবা থারকই। খম্বদি যণজেন য়াংবী তুরেল খোংবালগী উকমদা ফমদুদা করিম্ন নাচু'দনা পোংথাবি। যঞ্জেন্নহানা চঙলকু না খম্বদা ইবুঙো নোংবান্না কৌবি চংলসি' হায়কবদা খম্বনা 'ঐদি মীনা কৌবা চত্তে' খুম্লকলবদা যঞ্জেন্নহা অদু চেনখিদুনা নোংবান্দা পাউ তমলুরে। নোংবান্না শাউদুনা যঞ্জেন্নবা মঙা অমুক থারকই। মদুদসু খম্বনা 'ঐদি মীনা কৌবা চৎতে, হায়নিংবা লৈরগা লাকতুনা হাযরো লাউ' হায়রক্লে। যঞ্জেন্নহাশিংনা চেনখিদুনা নোংবান্দা তমলুবদগী নোংবান শাউবনা লুতোন কাখিদুনা যঞ্জেন্নহা ময়ামগী মাঙ থাদুনা খম্বগী মনাক তান্না লাকলে। খম্ব উবদা নোংবান্না উশিং থওইদনা হংলকই "অঙাং নঙলা মনাও ইবুঙোগী যণ শেল্লি হায়বদো।" 'মানি অহল কৈদৌরগে' খুম্লকই খম্বনা। খম্বগী প উথুম তাবদা নোংবান শাউনিংবনা মখোই থিংলে। নঙনা ঐগী যণলুপ্তা যণ হোইজিন্দুনা ঐগী যণ পূম্নমক কায়দুনা চেল্লে। নযণ হোইদোকখো হায়রকপদু খম্বনা করিম্ন নাচুংবিদ্রে। ঐদি নংগী যণলুপ্তা যণ হোইজিন্দে। ঐগী যণগা নঙগী যণগা তিন্নহনিংদ্রগা নঙগী যণদু হোইদোকখো'। খম্বগী অকনবা রাঙাংদু তাবদা নোংবান শাউরে। অঙাং নঙসে নচিল য়াংমল্লি রাঙাং লুংশিদে হায়রকপদু নঙগী রাঙাংদুননি হায়না খম্বনা থৌনা ফনা খুমদোকই। অঙাং অসি অমুক্তং শুদেকহৌদ্রবদি মতুংদা লম কেনগদৌরি মুক্না শান্নসি থেমদুনা কোন্নরগা মতুং মনাউ ইনাক নকনিংদনবা রারক্তবা য়াদে নোংবান ইতিক থওহনগে খল্লদুনা খম্ববু শংত্রিক্ল য়েংলগা অঙাং নঙবু মুক্না শানবা হৈদ্রা হংলক্লে কোংয়াম্বা। 'অহলনা পামলবদি ঐদি ইয়া য়াই' খুমদোরকপা খম্বগী উশিং থওইদনা রাঙাংদু তাবদা নোংবান মখোই থিংনা শাউনিংলবোই 'অঙাং নফি শেম্মু লৌ তম্বিগে' হায়রমগগা নোংবান মফি শেমলে, খম্বসু মফি শেমলে। খম্ব নোংবান অনিদো পাংয়াইদা মুক্না শান্নরে। যঞ্জেন্নহাদা নত্তুনা লম্বী লম্জাংদা চৎলম্বা লবুক্তা

লৌবাং গুরম্বা মীয়াম পূম্নমক্ন হোৎচিন্নরক্লে, মী না পলোন শানা কোয়ত্তুনা মুক্রা য়েংলকলে, খুম্বক মচা ময়ামম্ন হৌরক্লে। নোংবাম্না চহী তরেৎ খুম্বক পানাবু লাকচাহনা লাকপহু ঙসিদি লাম্বা লৈরে খল্লবোই খুম্বক মচাশিংদো হরাওনবে 'খুম্বক মচা ঐখোয় লৈরি কিগন্নু ইবুঙো' হায়না লাউনরক্লে ; খুম্বক খুনখা নাকপাক নাকপাক ভানরে। লায়রবা খম্ব মাগী-দমক্তা খুম্বকী মীয়ামদো লোইনা পাম্বোম তিংনরক্লে। মাপা তাম্বা কাওরেল যণগুম্ব নাইতোম চৎপা লমওককুন্না খম্ব নোংবান অনিদো পাবোৎ যণগী মওংনি, তান্না হিগী মতৌনি মানা কৈদা হেনগনি ঐনা কৈদা রাংকনি, নোংমা পোকপা মচানা নিনিদা শিবা হৌনদে ইপা মচা নোংদমগে ইপু মম্নু নোংখায়গে খন্দুনা মপুক্লিংদা চপ য়ুংনা নীংনত্তুনা খোংকম চেৎনা মেনত্তুনা খোঙথাং কুপ্পা থাংহুনা অচেৎ অকোম য়েংন্দুনা মুক্রা শান্নরক্লে, লৌ পাক হেক হৌবা ওম্মদ্রে। লৌ হৌবা ঙাইহুনা শান্নরকপা মুক্রাদো উ দা মীপুম খুদিংমক মমিৎ কুপ্পখিদ্রে নিংশা শোর হোনবা কাউনরে। নোংবাম্না খুদোং পুখংলি, খম্বনা নম্বি শেংথদবা য়াদত্তুনা নোংবানহু তৌফম খঙদত্তুনা চম্মনরিঙৈদা খম্বনা নপলম্বদগী খঙহৌদনা নাম্বরব্রগা থুনা য়াঙনা নোংবানবু খুদোং তনপু পুখংলগা মালেম লৈকন থক্তা থাদবদা নোংবান ইকায়খিবনা "হো অঙাং মহুগী লৌহু খক কাউগনু" হায়না মফি কন্দুনা হৌগংলকলে। নোংবান তুবা উবদা খুম্বক মচা মখৈদো চেনশিন্নলকতুনা মশা মশাদা ইল্লসিবা ফি লৌথোকতুনা খম্বদা কুপশিললে। মখোয়না খুদক্তা খম্ববু খুম্বকী বঙ্গেনলোইহল্লবা হাপলে। চৈরে ফি ময়ামদো খম্বনা অমমমদা লৌথোক্লগা মীয়ামদা অমুক য়েম্বোক্লে, ময়াম পূম্নমক হরাওরে। মুমিৎ তাশিনলক্লবদা বঙ্গেম্নহাশিংনা মাগী মাগী যণলুপ হোইহুনা মযুমদা হন্নখি। যনসুপ কায়নবদগী থুক্লম যণনা মমৈ ফিরাল শাহুনা পাৎয়াই থংনা চেলনক্লবদা খম্বনা ফাগদবগী তান্নহুনা থৎপহু উবদা মীয়াম্না লেপ্পুনা কিঙৌ ফৌবগুম য়েংনখি। খম্বনা চঙশিললগা মানদি চিরেন পায়হুনা যণগী মঙক্তা থৌরি হুক্লগা ভম্প্যাকয়ুম তান্না চিংহুনা পুরক্লে।

ইঙা থাগী থাজিন খম্বনা ষণ শেনবা মুমিৎ অসিদা মনাও ইবুঙোদি কংলাদগী কূম্নক্লগা মাঙোন্দা ফমদুনা ষণ কারকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী। থোইবীমা মনাই সেম্মুগা লোয়ননা পুখ্রি মপালগী হৈকোল লৈকোন্দা হৈ-লৈ হেকপা শাদুনা লৈরি। খম্বনা ষণ হোইগৎলকপা উবদা থোইবী ইমুংদা চঙখি। খম্বনা ষণদু ষণগোন্দা হোইভিল্লগা থৌবি পুনশিন্দুনা পোবোন থাদুনা থনমললগা শুমাংদা মনাও ইবুঙোগী মমাঙ ওইবপ্পা খুক খুদক কুন্দুনা লৈবে। রাঙোন নিংথৌগী মনাইনা চেং চেংকোক অহুম ওনগে তৌদ্বিডৈদা থোইবী চঙশিল্লক্কুনা ইপাগী মনাই, ঙাইখো! লৈত লায়রা চৈনাবু খাংঙমদদুনা ইকায় ইকি রাংমা লাম্মা শিল্লুংবা লাক্লিবা মীদবু ফত্তবা চেং পীবা হৌনদে হায়দুনা মপা-বংগী চিন্দমচেং মচংদু মখুংমক্না চেংকোক অহুমথক চোম্না ওল্লগা মনাইদা পীবে। মনাইনা চেংকোক অহুমদু পুথোরক্লবদা খম্বনা মশাদা ইল্লিবা মবাক তাইবা ঙবোং অদু লৌথোক্লগা থাউ শারে। মশাদা ইল্লম্বা মফি অদু লৌথোরকপদা লৈপুং রাঙুম তনাপ্পা ফিরান রাঙুম তাংজুম্বা লোক্কী পামেল নাচুম্বা উওম্বা, শওং শাদানা চারাম্নবা নোংশাগুম্বা চুং-ফিরান চাবা খম্বগী ফিবম অদু উবদা থোইবীগী মমা ভরামাথোইদো মাঙোন্দা থোবক্কুনা পরিংদা শেম্বাং তোংবগুম য়েংনখি। মশক য়েংই মুংশিবা মতৌ উরে মুংওনবা শাবান য়েংই চঙখোনবা মপান্নল মথৌনাদসু অরাংপা লৈতবা খম্ববু উবদা উনবি পুক্লিং চূথ্রবোই য়েংবগী পেনবা নাই-খিদ্রে মুব। থম্বাল মানবী থোইবীদো। মুরা পায়মা উলগোইমুং মুংশি ঈথৌ লাংলনোই মথৌ থাংজীংবু লাপ্প খুকমজরক্লে। "চিংঙু থাংজীং কোরেললাই পালোই ভাবা লাইনিংথৌ! নগু লাইবকচাউবী থোইবীনা নমু তাইবং মীবোল হেক খঙলকডৈদগী হৌনা চিংঙু খুয়া থাদা তাউজিং হৈরাং লৈরাং কৎলগা হৈমন চাবী ঐহাক্লি লৈমন খুনবী নগুনি। শকখঙ-দবা পাখং অসিগা নগু লাইবকচাউবীগা চিংঙু লংলা পাদম্নহিয়ু লৈপুল থংঘোম শেমবিয়ু অপাম মুংশি রায়থুংনজগে" হায়না খোয়ুম মাবু চেংনা থাগোগ্নজরক্লে। পাখং মাদি ইকায়থীবনা মুরাগী মারথোং থম্বাকবু

মিংচান্নবা য়েংজবা ঙমজদে। লায়রব অদোম তাম্বা থমলৌ অয়েং চেংবনা মপুগী ফিজি ফিনা নেংলুগদ্রা রাহৈ কারন চনখিগদ্রা কিজবনা মন্ত লুক্কুনা খাঙজরিবা মহাক্লি। ঙবোংনা কোনশিন্দুনা শেম্বা খাউ অদু মনীং পুন-শিল্লগা চেংকোক অহুমদো হানজিল্লে রাংনা থাঙ্গৎলগা শুজিল্লে। মাগী মতৌদু উবদা মুংশিবিবত্তুনা রাঙ্গোন নিংথৌনা থবগা হাপ্লিববদি পুবা ঙমখিগদ্রা হংবিবল্লবদা থৌজানবিববদি ঙমজগনি খুমজবকই লায়রবা। মনাইদা চেংকোক অহুম অমগা অমুক পুথোকহল্লগা হাপচিনহল্লে তকক শুরে, মদু ফাওবদা মনীং থুংদবা উবদা রাঙ্গোন নিংথৌনা মনাইদা থৌদাত্তুনা চেংকোক অহুম অমগস্তু পুথোক্তুনা হাপহল্লে মাপল শুরে। চেংকোক মাপল অদু হাপলবদা খাউ অদু পিক থল্লে চেপ চারে খল্লত্তুনা মপুক্লিং পেন্না হবাওনা মচিল পুনশিল্লে। ঙরাং লোইবী হাওবা অমনা পুবক্তুনা কংলবা চাউরবা মাইবেল অদুস্তু পীবিবে, চেংপোৎ অদুদা তোপ-শিল্লে। মদু উবদা মজাইবেম্মা থোইবীদি মুংশা থীবে. পুবা ঙমদত্তুনা চোপলগদ্রা খল্লক্লে। খম্বনা শুমাংদা তাবিবা মুম্বী অদুনা চেংপোৎ অদু মযাইদা নমথত্তুনা পোশিল্লগা নমকোৎ শারে। যৈজোম অমগা ফুরিৎ শাইককপা অমগস্তু খম্বদা পীবিবে। মপু খুযা খাদা খুকম্লমলগা খম্বনা চেংপোৎ অদু ইরাই লাইনা মবেংবান্দা হাইগৎতুনা পুখিবদু উবদা মথরায় রাজরশ্বী থোইবীদো নিংশা শোর চনিং তানা হেংনজবে। রাঙ্গোন নিংথৌদি ঙকপদা থেংপ্রবোই কেগে লাযরবা অসিনা কোরৌ হুমিং খুদিংগী মণ শেল্লবদি ঐগী ফৌগৈ চেংগৈস ফলা য়াম্মা ময়েং তাগনি, তেয়না শেলহনবা য়াদে, মপুগী পায়মা মুংদা রাখল তৌখি, চিনবান্দদি কাথোকখিদে। অদুগা মজাইবেম্মা থোইবীনদি কোরৌ খুদিংগী লেপ্তুনা মণ শেনবা লাক্লবন্দি নুংঙাইগনি খল্লি। খম্বনা চংথ্রবদা মুবাগী পুক্লিংদো লৈতাফম থঙখিদে শমু হকচাং থনম্লগা মথরায় পুত্তুনা চংখিবগুম পায়মা তয়াং তশোইরে। লোম্মা মনাই সেম্নু থাত্তুনা খম্বনা চংখিবা মায়কৈ য়েংহল্লি।

খম্বনা চেংপোৎ অদু লেংথোংনত্তুনা পুরল্লগা মাঙ্গোম্দা থাদরে। চেংয়াম অদু উবদা খমম্নু পাখৎলে। "মাঙলে মাঙলে ইহুনিংথৌ! নঙনা

পুরক্লিবা চেংয়ামসি কদায়দগীনো? পামেল শিংজা লাংগনি চৎথ্রগা অমুক য়াম্বা চেং পুত্থনা লাকসিবা অসিবু কেগে ইনাকখুনবা কনাদগী হুবকপনো' হংলক্লে মচেম খমন্থনা মুংশা থীত্থনা। মপু মোইরাং নিংথৌগী মনাও ইবুঙোগী মষণ শেনবগী ষণশেলমল ওইনা পীবিরকপনি হায়রকপা খম্বগী মপাউ তাবদা রাজরিবী খমন্থদো মথরায় মুংঙাইবগী মহুৎতা মুংশা থীত্থনা মথবাক য়ৈরে। মতম অসিদা খুম্বক্কী ষণশেনলোইশিংনা চঙল-ক্তুনা খুমন মাবু থাগংলক্লে। "চহী তরেৎ মনম লৈপাক তাখিদ্রবা নোংবানবু মুক্লা থাত্থনা খুম্বক্কী ষণশেনলোই হঞ্জবা হাপলবনি। রাবিরুম্বু ইচে ইবেম্মা, নৌপাগীদমক্তা ঐখোয় খ্বাই লৈরি, মাগী অরাৎ অপা পূন্নমক ঐখোয়না পীগনি। মুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়গা লোয়ননা ষণশেল লোই-শঙ কাগদবনি" হায়রমলগা ষণশেনলোইশিংদো মথরায় মুংঙাইনা ইশৈ ঙল ঙংলত্থনা মমুমদা হন্নখি। ষণশেললোইশিংগী মচিন্দগী মৌপানা অংোম নো'বানবু মুক্লা থাবগী পাউত্থ তাবদা খমন্থ হরাওবদি লায়রত্থনা মথরায় রাহে। কল্লক চাউবা মীহৌ কনবা কেগে লৈবাক অসিদা মৌপানা পাগী পারেপ য়োদ্রিবৈ পুগী পুরেপ ফংদ্রিবৈ খাংঙথক্তা কেমত্থনা মাঙখিগদ্রা থল্লুবদা লাইবকচাউবী খমন্থদো মুংশা থীবা হৌরক্লে। নোংঙাল্লগা অমুক হন্না ষণ শেনবা চৎপা য়াদে হায়না মচেম্মা থিংখিবদগী চৎনিংবা কোঙ্গায় লৈরবস্থ মচেমবু কিবদগী খন্ব নারে হায়জিন্নত্থনা মপাল থোকখিদে, ষণশেল লোইশঙ কাখিদ্রে। খম্বনা ষণ শেনবা মুমিৎ অহুগী অহীংদা খুকম ষণত্থ ষণগোলগী কোনফৈ থদেক্তুনা চংখি। নোংঙাল্লগা রাঙ্গোন নিংথৌনা মনাই থাত্থনা ষণগী খোঙ্গুল লীহনবদা খোরদাক ফাওবা ষণগী খোঙ্গুল ভারম্লগা খোঙ্গুল মাঙথ্রে কদোমদা চংখিবগে মক্ষম খঙখিদ্রে। খম্ববু মচেম্মা ভাবুম্নুংগী চরৈগুম থুপচাম্মনা থমথ্রবদা তম্পাকয়ুমদা শিঙেলগুম পোম্মশাংনরিবী অমম্ভা পোকপী থাদোই খোইনা পানবী থোইবীদো মপলনা নিংথৌ ওইরিবৈ মপানা রাঙ্গোন নিংথৌনি অরাৎ অপা লৈরোই খন্দুনা মুংঙাইজরম্বী মহাক্লা খম্বগী মশক উরুবা মুমিৎতগীদি পায়মা লাংতক্লয়ে অরাৎপনা মাগী

মশকক ওইরে চাগনি থকনি কাউরে তুম্বা হিপ্পা খোয়জ'ন্দ্রে। নোংম্নাই মাগীদমক্তা চীন্নুং চাদি নোঙ্গোবিনা কুমগী নোংলেন ভাইবগুম মু'শি ঈথৌ লাংজবী মুরা থম্বাল মানবীদো মথংলেন মমানমচাবু ঙসি উগদ্রা মউদা হযেং লাকদ্রা মবাক্তা মনাই মশল থাদুনা থিহনবা য়াবা মতাংসু খোঙ্গা মুবা রাবা হেম্লক্লে রাখল পোংলুম পুবক্লে। পাখং মাবু ভাইজবা চে'লৌ মশক উরক্কবা যারা মপাউ তাবক্তবা লোইদাম থাবুম ফাডিল্লক্লে। নোংয়াই মাগীদমক্তা অহীং মুংখিল অনিদা কপসি কপঙমদা রানা মতম লেনজরিবী থোইবীগী পায়মা মুংগী অরাবা মৈচাকতো চিঙু থা জীং নম্ভনা কেগে মোইবাং কনানসু থঙবি উবিবা লৈখিদ্রে।

তরুকশুবা মতাং
থোইবী খমনু শকখঙনবা

মচেম্মা ষণ শেনবা চংহল্লবদা থম্ব হাম্নগুম্মা অমুক থাংজীং চীংজাউ কাদুনা শীং চনবা হৌবক্লে। মানা চনবা শীংদু শীংবুল মচা মচা শেম্লগা মচেম্মা কেগে অউন কৈথেল্দা পুদুনা য়োল্লি। মোইরাংগী কৈথেল মাপলগী মমুংদা অউন কৈথেল অসি মুপীতনা কাবা লৈমা শিজা অচুম অথৌগী তালোয়শিং, চম্ম নিঙোলশিংতনা লৈবা যোনবা অকে অমৌগী কৈথেলনি। মুপীতগী ওইবা ফজরবা কৈথেল অসি মৈতৈ নিংথৌনা মমোম তমফা রাঙমলোনদা উননবা শেম্বা কৈথেলনি হায়বগী অউন কৈথেল কৌখিবনি। মতম অসিদা শাইওনগী রারী তারিবী রাইমু মোরী থোদনবীনা মশানি কদনবদা মোইরাংগী অউন কৈথেল অসিবু মৈতৈ নিংথৌনা মমোম তমফা রাঙমলোন্দা উনবনি তাকপিরিবা অসিগী মবিক চুম্মা রারীদু হান্না লৌ বিথো তাজখিগে হায়রক্লে। মোইরাং নিংথৌ চীংখু তেং হৈববু পোবপা মপা পুরিংলাই অতেলকী লোইচা ঙম্বগী হাক্তা শেমখিবা অউন কৈথেলনি। মৈদিংঙু খুমোম্বনা লম লোম্নবা মোইরাং নিংথৌগা ভাই-শেল ওইরবদি লৈবাক মরা তপ্পা পানগনি থন্দুনা মমোম তমফা রাঙমলোন হাওখা লাম্বু-বীবু পুরিংলাই অতেলকী লোইচা ঙম্বদা থাজখি।

মমোমগীদমক্তা মৈতৈ নিংথৌনা চামা চামনা খুজিং ওইরগা য়ন্না য়াইথু লুপা য়াইথু কাওয়েল থণয়াম লাঙ্গোইই শগোল য়াওনা অওং অউন ময়াম ওথবু মমোমগী মপুক্কি দা খোয়দাখিদে। নমোমবু য়ুংশিখিরবদি ফজরবা কৈথেল অমা নৌনা শেম্বিরগা উনখিয়ু হায়জবদু মপাবুং নিংথৌনা য়াবিখি। ওল্লকপা চহীদা মমোমগী শীংবা থুংহল্লগে থল্লহুনা মৈতৈ নিংথৌমা মোইরাংদা মফম চাবা য়েংহুনা লম অমা লৈরগা কৈথেল শেম-গৎখি। কৈথেল শেম্বা লোইরহুনা লৈবাক অনিগী নিংথৌনা কৈথেল হোং-নবা লৈবাক শীনবা থুংনা পাউ চেন্নে। মৈত্রবাকী মীয়ামনে কেগে অওম অথৌ ফয়াইবা মুনা তিনবা মতমসিদা মানা মানা গুমজবা পোৎলম চৈয়ম লাংহুনা অথেনপোং শেমহুনা পোৎ লামবগীদমক্তা মোইরাং লৈমা লাকপা ঙাইহুনা লৈনখি। মুম্রিং অসিদা মৈতৈ চমু ওক্কা রাংঙমলোল মোইরাং লৈমনা লাঙ্গোই শামুগী শয়াং থক্তা তোংহুনা ওথেল শারুংহনবনা থৌরগা কৈথেল হোংবা য়েংবা থোরকপদা কেগে সোরোক য়াংবীথক লৈবাক অনিগী মীয়ামা চোলনা লম্বীগী নাক য়েং অনিদা কাওপ কেপ্তুনা মানা মানা লাংজবা অথেনপোংয়াম মবেম্মদা পোৎলানখি। মহুদা হয়াওরহুনা লঙ্গোই শামু শয়াং থক্তা তোংলিবী ওক্কা রাংঙমলোয়া লুপাগী কাগোক-মুংদা য়াওরিবা তরেং শেঙ্গা অহু থুবাম থুবাম পায়রগা মীয়ামগী মথক্তা শেল চাইরকপগী ফজবহু কম্বিগা শীংথানগনি। কোরৌ নোংথৌ লৈবাক্ত-গী নোংখোং ফুইনা চুবা নোংলক্তা লুপা মতুম মানবা লেননা মালেম শলনা থিকথরকপগুম মিংকী কুম্মৈ ওইনখি। মতম অসিদা ওথেল সোনামম্কিতি মতাও মোইরাং কাইনা মুমথৈ ভানবগী ময়ুমদা থংলম্মী। ওথেল লৈবাক্তগী পুররগা মতাওগী ইঙ্খোন্দা থাখিবা শিঙেল চায়া অহু মতমসিদা লৈক্কা ফম্না লৈরাং লৈশাং ওয়ক্লে। শিঙেল লৈরাং অহু হেক্লগা চমল্লৌ লানা লাথুপ শানা য়োমহুনা মবেম্মা লাকপদা অথেন-পোংকী মশক ওইনা লৈরাং মাহু কচ্চথি। লৈরাং অহুবু লাঙ্গোই শামু মনাতোম্মা কোংহুনা পুখংলগা মবেম্মদা পীরম্মী। শিঙেল লৈশক হেল্লবী, লৈনমা পুক্কিং মুংওনবী লৈরাং মাবু উরদা পায়মা খোয়জংবা ভিম্মাং

খোয়দাবৰদা লৈরাংগী কোলোয় মমিং হংলক্লে। তখেল সোনামনিক্না লৈরাংগী লৈশক য়েংলগা শিঙে লৈনম তাবগা শিঙেল কোলোয় মিংথোনবিন্নু হায়জরক্লে মবেম্মদা। লৈরাংগী মউ তাদবু য়েংলগা পাথংগী যণহোই লিচৈ মানবলৈ, লৈবাং লৈনা তাবনা কাও বল মবৈ মানবলৈ শিঙেল মানা পোল্লগ। মুবাগী থুবি থুনাও মানবলৈ, লৈনা না মুগাদনা শাৎলগা অঙৌবা লুপা পথাপলৈ, ইন্তা কুমদমলৈ, ইংেল কুমখাইলৈ শম্লাং কোয়কক্লবিবী শানৌ খম্বাল মানবীশিংনা শাইনোল্ল থাদা িনবলৈ, মৌগীশীংদা চনবীনা শরজিগী লৈতেং ওইবলৈ অহলওইবীশিংনা নাপ-থক্রা থেৎনলৈ লৈবাগী লৈনম তাবদা শাম্না পাঙ্গল হাম্লেল শিঙেল ইত্তারোই লৈম্নুংশি, লৈরাং নাউবা মখোইবেল শিঙেল কোলোয মমিংদি ইপু সোনামনিক ললোনবনা তখেল মপুং যাইদগী পুবকপা লৈরাংনি খঙননবা তাখেলগী মিংথাং লৌবগা লৈবাগী কোলোয় মমিংবু তখেললৈ মিংথোল্লসি। অস্নুম্না মবেম্মা তঙ্কা রাংঙমলোন হাংখা লাম্ববীনা শিঙেল কোলোয় মমিং থোনবতু তাবদা মীযাম্না পেল্লখি। মুমিৎ অসিদগী মৈতৈ নিংথৌনা মম্নোমদা উনবা কৈথেলনি খঙননবা অঙন কৈথেল কৌনখি।

মুপীতনা কাবা অরুংঅহেন ফিজেৎ লৈতেং তান্নবা অকেংঅমৌগী কৈথেল অসিদা থমন্নুনা অমোৎপা চবৈ ফি শেংতুনা কৈথেলগী মচি অমদা থাতুনা যোল্লিবা শীং অতু কনা অমত্তনা লৈবিদে, হংবা কাংবা হংবিদে। মানা য়োল্লিবা শীংতু শিংত্রবদি মৌপা চান্না হেনবা তাবে খন্নুবদা খনম্ন মথরায রারে। খমন্নুগী অরাবতু কেগে কনানা উদ্বিদ্রবস্থ অমস্বদা থোদাবা অঙান্বদা রাযেম্বা চিংঙ থাংজৌ নদি উইরবোই মশানৌ পাম্বোইবী থাবক্তুনা খোইবীগী মপুক্লিংদা তোংখিবগা খোইবী ভম্পাক-মুমদা পোত্থাকম খঙথিদে; মনাই সেম্নু কৌরগা অঙন বৈথেল য়েংলুসি অচা অথক লৈরুসি তাকপিরে। মুমিৎনা লোইজৌং চৌংম্না তমলকপা কোরৌ মৈশা নেম্নকপা মালং মুংশিৎ অম্লিংরনা খঙোন হকচিক লাংলক-পদা মপু মনাই অনিদো অঙন কৈথেল য়েংবা থোরক্লে। মজাইবেম্মা লাকপা উবদা কৈথেল কারম্বী মুপী মম্নামদো মজাইযেম্মা থোইবী

লেংথোরকই হায়দুনা রা রা নীঙ্গরক্লে। থোইবী সেম্বু মপু মনাইনা পোংলক্কা চঙদুনা মপুক্কিংদা তাবা অস্ম অহেনগী পোংলমশিং অদু লৈগদবগী কোযনা চত্তুনা যেংলক্পদা কৈথেলগী মচৈদা খম্বনা ইকায়দুনা মশক খঙদনবা চরৈ ফিনা ফিক্কক খুমজিল্লগা শীং য়োল্লিবা মখম অদু যৌরক্লে। পিত্তক ময়াম্বা চাদবী চদু নিংথৌ অমনা কৈথেলগী মত্তাইদা চিক্লা থোকপা শজিককুম নিককক খুমজিল্লগা ইকাযবা থাঙদুনা শীং য়োল্লিবদু উবদ থাদোই পুক্নিং লুপ্পগ্রবোই মিংকম হোংদনা য়েংলক্লে। "তযুম সেম্বু যেউবনে, ফদিনা য়োম্বা সনাগুম কৈ চিক্লনা খুম্বা থাজগুম ফিক্কক খুমজিন্দুনা ইকায় ইকি যাম্মনা পামেল শীংজা য়োল্লিবী সুজাসি য়েংবদা সুংশিদ্রা থগানবী। সুজাগী চেংলৌ মগফসে উবদা নিঙোল পুক্নিং থোযবাংলে, কৌকচো সেম্বু শকখঙনসি" তাকপিক্লে মবেম্মনা। মবেম্মগী য়াথং পুবগা সেম্বুনা খম্বুগী নাক্তা লান্নদুনা "পামেল শীংজা য়োল্লিবী ইতা! মজাইবেম্মনা লাক্কবা য়াদে থৌদাবিয়ত্তুনা ইতা নঙবু কৌবা লাকচবিবনি" হায়রক্লে। সেম্বুগী য়ারাদু তাবদা খম্বু ফিবমা নিংদোল চোংলে পাখংত্তুনা মশা পুম্না হুমাং কাংলে। মোইবাং লমজা শাম্বা চম্বু নিঙোলশিংবু লৈমা নিংথৌগী ফিদা নাইবু ওইনবা ফানৈ হায়নবদু ঙসিদি ঐবু ফাবা লাক্লমানে খল্লুবদা লাইবক চাউবী খম্বুদো ফিবনা মশা তনিক তনিক্লে মথরায় রাবনা কপকদৌরে। খম্বুগী অকিবা মতৌদু উবদা চিংনগম্বু ইতাবোই, নঙম্বু সুংশিবিদুনা মজাইবেম্মনা কৌবনি তাকপিরক্লে সেম্বুনা। লায়রবী ঐদি মজাইবেম্মগী সনা নাক্তা নকপা য়াবা নত্তে হায়দুনা চংসি য়াদ্রে। সেম্বু চংখিদুনা মবেম্মদা চংসি য়াদে হায়না পাউ তমল্লুরে। পায়মা লৌশিং চাউবী থোইবীনা কিদুনা তৌবিবমি খঙলদুনা মনাই সেম্বুগী মাঙ থাবগা লাক্কুনা খম্বুগী মমাঙদা লেপলবে, খম্বুদি ইকায় ইকি য়াম্মদুনা মক্ন লুক্কুনা লৈখ্রে। চহী লেংগা ওইববম্বু ওইদ্রবম্বু থোয়নৌ ইতা কৌগেকো মম্বুং মতম চাদনা পামেল শীংজা য়োল্লিবী চম্বু লৈরাং মানবীও! পলেমনা কৈদা চংখ্রে, পম্থৌনা কদায়দা

লৈখ্রে, কোলোয়না করি কৌবগে মোইরাং করি লৈকায়দা লৈবনো, পায়মা মুংদা চিংনগদু য়াবা ফিগৈ শেংঙু হায়না তক্‌না হংবিরক্রে মজাইবেম্মনা। 'ননাই ঐদি লমজানি, পলেম পম্বো লৈজদে, কোলোম্নবা লায়রবী কৌই, কেগে খুম্বক মচানি' খুমজৈ খমনুনা ইকায় মুংশি য়ান্নবা। খমনুগী মপাউ তাবদা মপু মনাই অনিদো মমিং খংনদুনা চে'ংলৌ মশক মায়খ্রেদকো অচানবী নহানগী শকখঙদবা লায়রবদুগা' 'মাপ্পি মজাইবেম্মা' হায়না লোয়্না ঙাঙনৈ মপু মনাইদো। থোইবী ঐনা মোইরাংগী লায়রবী চদু অমত্তং খোয়নৌ ইতা শান্নগে নীংলকপদু মতম কুইরদুনা ঙসিদি ইবুধৌ থাংজীংনা কুবিরমানে। ঙসি কোরৌ মুমিংতগী খোয়নৌ ইতা শান্নরসি তাকপিরকপা মজাইবেম্মগী য়ারাদু তাবদা 'লমজা ওইবী ননাইনি, ইতিক ইপা চাদে, খুমজৈ লায়রবী খমনুনা। নত্তে ইতা ইবেম্মা, ইত্তাগী পামেল শীংজা অসে নতানা লৈজরগে' হায়না থোইবী মশামক্তা শীংদু পায়খংলগা কনাগুম্বী মুজা অমদা পীথোকখ্রে। তরেং শেজাওমুংদগী সনা রাইখু অমগা লুপা রাইখু অমবা লৌথোক্লগা শীংগী মমলনি পীবদা খমনুনা য়ামপ্পি হায়দুনা লৌ য়াখ্রে। 'থোইবী ঐনা মতাদা পীববু য়াম্বা য়ামদবা করিগী থিবগে? মসিদা নত্তে পীখিনি ইত্তাগী কম্বিসু রাংলোই। ঐগা ইতা শান্নরবনিনা ঙসিদগী 'লৈমরোল লক্তা ভিন্নবনি, ঐগী কাংখুং ওইরবনি। খোয়নৌ ইতা শান্নরবনিনা অবৈ লৈতা তান্নদুনা শেংবিন চামিন্নগদবনি করিসু ইকায় হন্দোইনিংঙাই লৈত্তে। হৌজিকমক ঐগা লোয়্ননা তমপাকয়ুমদা চংমিন্নদুনা তরা চারা রানমিন্নরুখিসি পলেম পম্বোগা শকখঙ মায়খঙনরুসি তাকপিরে মজাইবেম্মনা। মজাইবেম্মগী য়ারাদু তাবদা খমনু মুংশা থিরে। লায়রবী ঐগা পোকমিন্নবা নাউরা ইপা অমত্তং লৈজে। মচেম ঐনা শীং য়োল্লগা অশিংপা কাউজ মমলনা অকংবা তরা চেং রাল্লগা চামিন্নরুগদৌম্বিবনি, ইপানা মচেম ঐবু রানা ঙাইরমলমি। ঙসিমত্তি ননাই তুং ইনবা ঙমলোইদৌরে হায়জরক্রে। খমনুগী য়ারাদু তাবদা থোইবীনা ইশিংনা নোকশিন্নদুনা করি য়ারানো ইতাইবেম্মা, লৈমরোল লক্তা ভিন্দুনা

ঐগী কাংখুৎ ওইহনা কাং শান্নবা য়াওরগদবনি চরৈ মনজুনবা শেংপা য়াররোই। মমল য়াম্বা চরৈ ফিজোল ফিজেৎ লৈতেং শেংলগা কাং য়াওগদবনি। থোইবী ঐদি য়ামজেম লাইবক ধীবনা ইথক্তা ইবুং লৈতে, ইখাদা ইপ্‌াসু পেক্কে। ঙসি কোরৌ নোংজাদি অউন কৈথেল্দগী নচিল নৌপাগী চরৈ ফিজোল লৈবিগে, চানবা তরা চেংসু রানবিগে হায়না মশানা য়াজদবী খমমুহ মপু মনাইনা নমহনা অউন কৈথেল মমুংদা চঙমিন্নরক্লে। খমমুনা শেংপদা চাগদবা ইনবদা পবচগদবা মমল য়াম্বা চরৈ ফিজোল খল্লগা লৈবিরে, লৈতেংগী লিক কোনসু য়াওরে। ফুরিৎ ফৈজোম য়োল্লিবা মফমহুদা চংলগা নৌপাদা চাগদবা ইতাগী পুক্লিংনা তাবা খনজরো তাকপিরে। মজাইবেম্মগী মুংশিবিবা য়ারাহ তাবনা খমমুনা মহুনিংথৌ খম্বনা শেংপদা চাগদবা ফৈজোম ফুরিৎ খনগদবদা মৌপাদি নাউরা ওইরি হায়দোকলুবনা অচৌবা ফুরিৎ ফৈজোম খনবা ঙমদহুনা ককওাওনরে। খমমুগী মওং মতৌহ উবদা পায়মা লৌশিং চাউবী থোইবীনা মখুৎমক্তা থুহুপ তরেৎ শাংবা ফৈজোম অমনে, মহুগা চান্নগদবা ফুরিৎ অমগা খল্লগা মসি নৌপাদা চাগদ্রা চাউমনবরা হংবিরক্লে। খমমুনা ইকায় ইকায়না খজিক্তং হৈকৌনগনি থুমজে। থুহুপ মাপল শাংবা ফৈজোম অমগা মহুগা চান্নগদবা ফুরিৎ অচৌবা অমগা অমুক খল্লগা মসিদি চারগদ্রা হংলক্লবদা কাবক কাবক য়ায়গনি থুমজে ইকায় ইকায়না খমহুনা। খমহুগী পাঙথুমহ তাবদা থোইবীগী মপুকনিংদা চিংনবা হেনগৎলক্লে। মীতেক মীরৌ খঙবী রাঙাও রাতা হৈবী মজাইবেম্মগী পুক্লিং খঙনী সেম্বুনা মোমোন নোক্লগা ইতা লায়রবীগী নৌপাহ নাউরানি চিজোয়নরগা শেংনবা চরৈ ফিদি কাংদোং ফায়বা পাখংনা শেংপা য়াবা ফুরিৎ ফৈজোম শেংহনগদৌরিবহ করিগীনো হংলক্লে। সেম্বুগী য়ারাহ তাবদা পাইরকী লৌশিং লাক্লুনা লায়রবী নত্তানিমা ভোয়না থোম্বা ঙস্মোইদবহুদা হয়েং পাখং কাংদোং ফায়বা কাওনা শেংপা রানবনি থুমদোরক্লে খমহুনা। খমহুগী পাঙথুমহ তাবদা পায়মা লৌশিং চাউবী থোইবীদো তাবদা পুকনিং পেনথবোই ইক্তা

লায়রবীনা থল্লিবসি চুম্মিনে সেম্নু অচানবী হায়না রাপাংবিববদা মপু মনাই অঙ্গমদো ইশি শিনা নোকমিন্নবে। শকখঙদবা যগ শেনবা তুংবতুগা মতা থমম্নুগা চেংলৌ শকমান্নবত্নু উবদা থোইবীনা মহুনিংথৌহ্ন চেংলৌ শক খঙদোককে পায়মা মুংদা থল্লহুনা মচিল মৌপাংগী চয়ে ফিজোল তবা চেং রানবিরগা রাবী শানা শানা হনমিন্নবকপা লনী তংখায চল্লকপদা থোইবীনা সেম্নু য়েংলগা অচানবী ঙসিদি ইতা লাযববীগী মযুম খঙলুসি হায়রক্লবদা মবেম্মগী পুকনিং খঙবী সেন্নুস্নু খংলুসি ইবেম্মা খুনদোরাক্লে ; মপু মনাইগী রাহু তাবদা থমম্নুদি কোকচাউবী কায়ে থিংবস্নু ঙম্মোইদবহু উবদা মপু মনাইগী মাঙ থাবগা চেংগৈ পাংতোন পাংলয়ে।

লায়র শঙদা অয়ুক চারা হেন্দুনা মচেমনা হাল্লকপা তবা চেংনা থোংলগা মবুক থম্না চাগনি খন্দুনা রানা ঙায়রিবা খম্বহু ইমুংদা কৈবাঙমদ হুনা থোঙান্দা থোরক্লগা মচেম হল্লকপা য়েংহুনা লৈবে। অরাম্নদা মচেম্না মাঙ থারগা ফিজেং লৈতে চঙংখানবী চম্নু মুজা অনিগা লোয়ননা লাকপহু উবদা খম্ব মযুমদা চঙলক্লে। থোঙালদগী লেপ্তুনা মযুম তম্না চঙশিল্লকপহু উবদা খম্ব মুংশা থীহুনা কদায়দা লোংসিগে খন্দুনা যেনখাদা য়েংবদা লোংফম লৈতহুনা ইমুংদা চেনশিল্লগা কাচিন্দা থমলিবা কাপোন অহু লৌরগা সনামহী মপাদা কাপোন্না কুপশিল্লগা ফমদুনা লৈরে। থমম্নুগী মতুং ইন্দুনা লাক্লিবী থোইবীনা থোঙান্দগী চুং ফিরাল চাবা তমব মুপা অমা ইমুংদা চঙখিবহু উহৌবহুনা থোঙান্দগী শুমাং তানা খোংকাপ লাউনা থাংহুনা লাক্লগা মাঙ্গোন্দা কাখংলে। মাঙ্গোন্দা ফমগে খনদনা ইমুং তান্না লেপ্তুনা চঙশিল্লে। মজাইবেম্মগী মওং মতৌহু উবদা থমম্নু মুংশা থীরে, মহুনিংথৌনা চঙখিবহু উরম্বা তাবে মপুক্লিংদা থল্লক্লে। থোইবীনা ইমুং হেক য়ৌবগা মনিংথোঙ লোমদা কোয়না লৈনা য়েংবদা কাপোন অমা মফম চাদনা সনামহী মাপাদা উপ্তুনা লৈরিবহু উবদা থমম্নু য়েংলগা "ইতা ইবেম্মা সনামহী মাপাদা কাপোন্না উপলিবা অসিবু কয়িনো" হংলকই। থমম্নুস্নু পাইরকী লৌশিং লাক্তুনা মজাইবেম্মা খুমন পোকপনি খুমজে। অহুদি ইতা খুমন পোকপা খুরুমজগে হৈরাং লৈরাং থরদং

হেকপিরু লা লাতোন অমসু য়াওবিরকউ হায়রক্লে থোইবীনা। মজা-ইবেম্মগী য়ারাহ্ন তাবদা হায়কম তৌকম খওদবী খমন্নুহ্ন মুংশাথীবগা লোয়ননা মপাল থোকখি। মীনম্না ঙাঙলুবগী কবি থোল্লগবা খল্লুবদা খমন্নুহ্ন মপুক্লিংদা মুংশা থীবে। থোইবী খমন্নু অনিনা ঙাঙনরিবা রাফমহ্ন তাবদা কাপোন মন্নুংদা লৈরিবা খন্ন মাম্নু মুংশা থীরক্লে। খমন্নুনা লা লাতোন অমদা হৈরাং লৈবাং হাপলগা থোইবীদা শিন্নরে। খমন্নুনা কাপোন মমাঙদা র'য় তৈথোক্লবদা থোইবীনা হৈরাং লৈরাংহ্ন থল্লগা খুক খুদক কুন্দুনা মখুং লোয়বগা "হে খুমন পোকপা ইবুধৌ, নহাক্তি খোয়ুম লাইনিনা নমু তাইবং মীগী উনবি পুক্লিং খওবি উবিবা মপুনি। থোইবী ঐনা নীংজবা পুক্লিং থুংহনবিয়ু শকখঙদবা পাখং মাগা নম্নু লাইবকচাউবীগা অপাম মুংশি রায়থুংজগে" হায়না মকোক নোন্দুনা খুকনই! খোইবীগী য় রাহ্ন তাবদা কাপোন মন্নুংদা খুমন পোকপা শাহ্নুনা লৈরিবা খন্নহ্ন নোক্লিংবা খাঙহ্নুনা লৈবা ঙমদহ্নুনা কাপোন হাংতোল্লগা মনিংথোঙ হাংতোক্লুনা চেনখি। মহ্ন উবদা সেন্নুনা ইতা লায়রবীগী মৌপাসে ওম্থোক্না মঙাও থিনা ঙাওথ্রেদকো হায়রল্লবদা মপু মনাই অহমদো ইশি শিনা নোকমিন্নৈ। থোইবী ঐগা ইতা শান্নরবনিনা ঙসিমক ঐগা লোয়ননা তম্পাকয়ুমদা চংমিন্নহ্নুনা তরা চারা রানমিন্নরুসি, পলেম পম্থোগা শকখঙ মায়খঙনরুসি তাকপিরে। চরৈ ফিজোল মোৎলি কোল্লা লাকচগে হায়জবহ্ন য়াদহ্নুনা মপু মন ইনা খমন্নুহ্ন তম্পাকয়ুম তান্না পুবক্লে। থোইবীনা মপাবুং অমদি পলেম মমা তরামাথোইগা মতা খমন্নুগা শকখঙ মায়খঙনহল্লে। নমোমবু লুনা চান্না তৌবিবগুম ইতা খমন্নুবুসু লুনা চানা তৌবিয়ু হায়জবদা মপাবুং অমদি পলেম মমাশিংসু হুরাওজরে, লমজা মাবু মুংশিবিহ্নুনা মনাক্তা কৌশিল্লে। থোইবী সেন্নু খমন্নু অহুমহ্ন পরেং শানা ফমমিন্নরগা তরা চারা রানমিন্নয়মদাইদা খমন্নুনা মহ্ননিংথৌ নীংশিংলকই। চাবা থকপা লোইরগা থোইবীনা তয়ুম মনাইদা খৌদাহ্নুনা তরা চাকলুক অমা নিংথিনা য়োমশিলহল্লে। খমন্নুনা তরা চয়োম পুরগা থোরকপদা মপু মনাইনা হোজং ফাওবা থিন্দোকপিরে।

মজাইবেম্মা লৈবিক্লৌরো ননাই লমজা লায়র শঙ পাংজগ্রগে পাওমেন্নরগা খমন্থু চেলনা চেলনা লাক্লুনা লায়রা শঙদা থুংলক্লে। মচেম্না পুরকপা তরা চয়োমদু থোক্লগা খম্ব মবুক থম্না চারে। তুমিংত্তু মচিল মৌপা হরাও নুংঙাইনা রারী শারগা তুমনখ্রে। অসোম ওম্পাবয়ুম খংল চিংদোল কাদস্থু থোইবী সেন্থু মপু ননাই অনিদো লায়রবা মচিল মৌপাগী রারী শারম্বদগী তুমনিংদুনা মাগী মাগী কমুংদা কাখৎনরগা খোমলেন শাংনা য়াতানখি। মজাইবেম্মগী উনবি পুক্লিংদা নীংজবত্থু থুংহনবিগে খল্লিবা চিংঙ থাংজীংনা মশানৌ অয়াং লৈমা পান্থোইবীদা থৌদাত্থনা থোইবীগী খোমলেন মঙলানচাদা খম্ব লাক্তুনা মঙফাওনবিররে। লাযরবী ইচেমগী মৌপা খম্ব ঐনি হায়না থোইবীদা শক তাক্তুনা অপাম মুংশি রারী শামিন্নরগা থোইবী মিকপ থোরক্লে। মঙলানচানগী থৌদোক্তু নীংশিং-লুবদা মুরাগী উনবি পুক্লিং পেন্নবোই কেগে কন্দাদস্থু হায়দোক্কে খনখিদে মনাই সেন্থু ফাওবদা মঙলানচানগী য়ারাত্থু তাকথোকখিদে। মুরাগী খম্মোয়ন্থংদা মবুধৌ থাংজীংবু চেৎনা থাগোমত্থনা পাখং মাগা নস্থু লাইবক চাউবীগা অপাম নুংশি রায়থুংনবা মুংশি লংলা পাদমবিয়্ হায়না খোয়ুম থুয়া খাদা পুকনিং অনি লোঙদনা থুরুমজখি।

তরেৎশুবা মতাং
লোক্তাক ঙামি থেম্বা

মচেম খমন্থুনা রারক চেংপদগী খম্ব পাখং শরেপ ফারবস্থু মচেম্ব-কিবদগী থাঙ্গ লৈকায় কোয়খিদে, কেগে পনবান লানখিদে। খম্বগী মশক উখিদবা লোইদাম থাবুম অহুম মপুং ফাত্তিল্লবদা মজাইবেম্মা থোইবীদো পায়মা মুংলা মঙল মঙল খল্লক্লে। করম্বা কোরৌ রাংলেন্মা পাখং মাগা মায়োক্না অপাম মুংশি রারী শাবা ফংগদগে খল্লুবদা রাখল লাম্বা ফংলক্ত্রে। তম্পাকয়ুমদা লেঙদনা লৈবনদি মাগী নীংজবা মাপা থুংবা ঙমরোই খল্লহনা মনাই সেনগা লোম্না রা ভাম্নবা হৌরক্লে। মপল নিংথৌগী নাক্তা চৎতুনা শজিবু লাইয়েল কিশি তাইরে কোংনা

লৈংথোং ফাংলে কেংগে লৈমরোল ময়াম পূল্লগা লমলেন লোক্তাক পাংতা কুমহন্নৈ লেমলৈ ঙারম তান্নগা তরা চাকচা হৈজানজগে, ইপু লোইজা নিঙোললাকপগী কাংশংদা খুম্বক খুনখাগী চন্নু নিঙোল ময়াম কাং শান্নজগে হায়জরুরে। অমত্তা পোকপী মমোম লাংলেংগী পায়মা পুক্লিং খঙবিবা মপল নিংথৌনা মমোমগী নীংবা থুংজরসন্নু খন্দুনা হৱাও হরাওনা য় বিরক্লে। মুমিং অসিদা তমব নুপা অমত্তা লোক্তাক্তা কুমহল্লোই হায়নসু মপুনা সনা যাথং পীবিরক্লে। মপল নিংথৌগী ময়াথং তাবদা থোইবী সেনু মপু মনাইদো হরাও হরাওনা মপাবুংদসু হঙ্গৎচরে. মপাবুংনসু য়াবিরে। লৈকায়লাকপা নিপালনা লাঙ্গোয় শগোল তোংহুনা মপুগী সনা য়াথংবু কেগে খুম্বক খুনখা মোইরাং লৈকায় নিপাল শীনবা থুংনা পাউ চেল্লে। "হয়েং ইনু' ঙানবদা মজাইবেম্মনা লুচিংহুনা কেগে লৈমরোল পূন্নক লমলেন লোক্তাক পাংতা লেমলৈ ঙারম তানগদৌরি। মুমিং অসিদা তমব মুপা অমত্তা লোক্তাক পাংতা কুম্বা য়াদে, কুমখিবা য়াওরসু থুনা য়াংনা কাখৎলকউ মপুগী সনা য়াথংনি। কেগে তাদবা তাগৌবো মোইরাং খঙদবা খঙহৌরো" হায়না নিংথৌগী সনা য়াথং পাউজেলবু তাবদা কিনহুনা লোক্তাক্তা ঙা ফাহুনা লৈরম্বা মীয়ামসু থুনা য়াংনা কাখৎনরক্লে, কুমগে থৌরাং তৌরম্ব কাংবুসু কুম্লখিদ্রে, লোক্তাক্তা তমব মুপা অমত্তা তাখিদ্রে! মপুগী য়াথং পাউজেল তাবদা লৈমরোলশিংনা মাগী মাগী অরৈবা ইল হঙ্গেল শেম শাহুনা থম্নরে লৈতবা কাংবুনা রায়নরে। থোইবীনা মনাই থারক্তুনা থমনুবুসু হয়েং লোক্তাক্তা লৈমরোল ময়াম্মা লেমলৈ ঙারম তানবদা য়াওদবা য়াদে হায়্নরবদা লায়্নবী মাসু লৈকায়গী য়ুন্নোন কৈরোম্নবা মচেম মনেমশিংদগী ইল হঙ্গেল তুংগোল রায়্নরে। লৈমরোল পূন্নমক্তি নুংঙাইনা খোমলেন তুমখুল তাম্নপ্রে থোইবী মাদি রাখলনা নুংবংলে খোমলেন য়াতাবা য়াখিদ্রে। লমলেন লোক্তাক থমংখোংদা লেমলৈ ঙারম তানবদা চিংঙু নওনা লমজিং ওইবিরগা পাথং মাবু পুবিরক্লনা মুরাগী শিঙ্গা পাংহনবিরো হায়না থাদোই মাদি চিংঙু থাংজীং লাইবু অহীং নোংশোয়বা থাগোন্নজরক্লে। মুমিং অসিদা লায়্নরশঙদদি

মপু মোইরাং নিংথৌগী য়াথং পাউজেল তাবদা খমনুনা মতুনিংথৌ খম্বদা খরাই থোঙাল লানথোকন্নু পাউমেন্নরবদা লৈমরোল ময়াম্না লেমলৈ ঙারম তানবদা য়েংগে খল্লম্বা খম্বদো মচেম কিবদগী মপাল থোক্নে খনখিদ্রে।

হৈয়েল চাকল'ইঙগী মপল রাসহৌ থেংবগী ্মামম্ন লমলোই অতোপ্পী চেক্লা ওইনা লাংওনবী শোইবু ঙনবী য়াহৌচেক উথুম কোৎনী খোলনৌবী চেক্লানা হুপনৌ নয়াই কৈনা চিক পম্বৌ নোংবান খাইলক্লো. লৌবিবা কৈয়েল শাবা শেলোই পিবেন 'থক লাংবন ফৌনা নারাংবী ফৌনানা রায় রায় লেংলিবা লোইমোম ফৌখোং খাতুনা চেক্লানা মখৌ ইপোং-পোং, পোম্বী মঙক ইচোই চোই চেক্লা মথা পৈরপনা চীংথৈ মায়কৈ য়েংতুনা তুম তুম য়াকায়রকপা কেগে ইমুং ঙাল্লকপা মোইরাং শোরা হেল্লকপা অযুক্নী থেমদ। খওনবদা গৌরাংলক্লগা কেগে লৈমরোল পুন্ন ক তবা চাকওল চারগা মাগী মাগী ইন হঙ্গেন পুহনা লমনেন লোক্নাক পাংলক্লে। কেগেগীদি হিথাংফম লমলেন খোংক্লিন লমদমদ। লৈমরোল মযাম্না মজ্জা-ইবেম্মা থোইনী লাকপা ঙাইতুনা লৈনখি। তবা চাবগা লাযবগী খমনুনা মতুনিংথৌ কৌশিল্লগা নোংয়াই নঙবু ইচেমগী হৈনা ইতুংদ। কেগে পনবান লানগনু, তবা লাম্নগা ইচেম্না থোংতুনা থম্বিবা তরাহু চাবগা যুমদা লেঙদনা লৈবম্মু। অমুম্না পুক্ৰমেন পাওমেন্নরম্নগা খমনুমু মজাইবেম্নগী মনাক তান্না লাক্লে। মতা খমনুনা থুংলরবদা থোইবী সেন্নু খমনু মখোয় অহুমদো হি অমদা পুন্না তাংমিন্নরগা খোয়নৌ মতাশিংগা লোয়ননা ইথিং চীংথোং তম্রক্লে। থমংথোংবু য়ৌবদা মাগা মাগী ইল থাতুনা লেমলৈ ফাবা হৌনবে। থোইবীনা মতাশিংতু থনম্নগা মনাই সেনু পুতুনা থাঙ্গা নিংথৌগী চীংমৈ, ঙাখা লৈমগী চীংজিন্দা থাদোইগী ইলফম ওইতুনা ইল চিংবা হৌরকলে। লৈমকোন্দা শাৎচবী নিংথৌকোন্দা চাউজবী খম্বাল মানবী থোইবীগা কেগে থুল্লক্তা পোমজবী পম্বৌ ইখোন্দা ঙানজবী লৈমরোল লৈরাং মানবীশিংতুগা লমলেন লোক্তাক পাৎপান্দা থমংথোংগী থোংজিন্দা লৈকং থম্বালগুম শাৎমিন্নরকলে। রাংলেন মতম অসিদা থাৎজৗংগী ময়াথং তুংইন্না অয়াংলৈমা পাম্বোইবীদো লায়রা শঙ

পাংলকলে। মচেমগী য়াৱা তুংইন্না মাঙ্গোন্দা ফমলিবা খম্বগী মপুক্লিংদা পাঙ্থোইবীনা হেক তোংখিবগা খম্ব খঙহৌদনা মপুক্লিং ওল্লকলে, ফমফমদগী হৌগংলক্লে। মচেম খঙহন্দনা লৈমরোল ময়াম্না ইল চিংলিবা মফম অহূ তাম্না চংতুনা লোম্না লেমলৈ ঙারম তানবা য়েংগে খল্লহুনা নোংয়াই থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না থোরক্তুনা লাইহল্লি তুৱেলগী হিদেন পাংলক্লে। মপুগী য়াথংবু কিবনা মুমিং অহূদি তমব মুপা অমত্তা লাক্তাক্তা কূমনদবনা লুকায় হি ময়ামদো হিদেম্বা তাহুনা লৈরে। হিয়াম অহূগী মমুংদগী মথরায়না ঙাবা উকায় হি অমা তোংলগা লাকপনা খম্ব ইথিং চীংজিন য়ৌরকলে।

খম্বনা হি তোংলগা ঙারম পাত্তা শাংলম্বা থরো থৱাল হেক্তুনা টিল্লে থমচেং থংতুনা চাবে। চানিংবা চাবগা লৈমরোলশিংনা ইল চিং-লিবহূ য়েংগে খল্লহুনা মমায় অৱাং পাংনা হি হোনগংলক্লে। থমংখোংগী নোংচুপ থংবা ঈয়াইদা তাউৱিবা ফুমজাউ অমনা খনজিনবনা লৈমরোল-শিংনা ইল চিংলিবহূ নক্লরবস্থু উবদি ফংখিদে। খম্বনা চীংয়াদা হৌরিবা খোংনাং পাম্বীগী উশাদা কাখংতুনা ফম্লগা মমায় অৱাং ওন্দুনা লৈমরোল-শিংনা ইল চিংহুনা ঙা ফারিবহূ লাপ্পা য়েংহুনা লৈরে। মতম অসিদা থোইবীদি ইলদা ঙা অমত্তা লকতহুনা মনাই সেম্মুগা লোয়ননা হি তোংহুনা লাক্লগা থমংখোংগী খোংজিন ঙারমপাংকী পাংচিন্দা ৱাকয়ৈ হিগী হিরুবাক থক্তা মজাইবেম্মনা থোংগা শানা লেপতুনা লেমলৈ ঙারম তাল্লিবহূ খম্বনা লাপ্না উরম্মী। লোক্তাক লাইজা ঈয়াইদা থাঙ্গ কৱাং চীং, য়াওমুলাকপা থৌদেমচীংনা ঈয়াইদা লুপফেৎ লুপফেৎ তাউবগুম উৱিবা, তাকমু ইথিংখোং খোয়ান ঙৌবী মশোইরেল, লমলেন শেন্দ্রা লমমুংশি, মুৱান পন্দোল মায়কৈ, থমংখোংগীনা খোংজিন ঙাখা পাংকী পাংয়াইদা চেকয়া কোন্দো লৈৱাংনা পোমশাংনৱিবা, কম্বোং হাউনা মনানা কোরৌ তেমশিংনৱিবা চাউখোং পাম্বীনা ফৈনা মুংনা তাউৱিবহূ উবদা থোইবী পুক্লিং মুংওল্লি। কাক্তাগী নুংশিৎ মামিবা তোরবুংগী খঙ্গোনবা লালুৱা লোক্কী মালংবা মতাসোকী লিলিবা, মালং অনি চিললোকনা

খঙ্গোন অহুম চিন্দিন্না চীংমায় পাংনা হুম্নগা শহু য়াংগেন ইলোন-লোন তমবু পাংনা হুমলগা থোইমোম লাংদোন ইনোম-নোম, মৌবী তেকচাক ইথোই-থোই ; মাললংনা লিরি খোঙদোইহুন, থঙ্গোল শঙ্গম লাংলগা হুয়া থম্বাল মানবীশিংগী নাপা তাবা শমলাংদো তুমনৌ শিংগ্রেং খায়বঙ্গুম লুতুংগী শমদা তিন্দুনা লেংদোন লেংপাক থক্তা চোইজাইনা তাহুনা মৌগী শীংদা চনবগুমলে। মতম অসিদা থোইবী মাদি ইল শোনবদা ঙা য়াম্না লকপথনা পৌরা লিজাউ তংতুনা ঈশিংদা ইল তাশিল্লে ঙাস্থ কাবা ঙমহৌদ্রে নিংথেংননা হিরুবাক্তা তুশিনগে তৌবদা সেম্নুনা ঙাক্তুনা তুমক্তি তুহৌদ্রে। মপু মনাইদি ঙা অমা ফাওবা ফ'বা ঙমদবসিদা মথরায় র'রে, তৌফম থঙদ্রে। সেম্নুনা খাঙ্গ কথোং লুথুম্বা কেগে মবুং মৌপ্না কনাগুম্বা লাবপ্রা বোয়না হৈনা য়েংবদা বনাস্থ কাথপা উহিদে। লেমনৈ ঙায়াম ফাবা তান্নসি হায়না মতাশিংগা শীংনরগা পৌরা লিজাউ তংতুনা ইল চিংবা য়াদ্রবদা মজাইবেম্মগী মিংস্না থম্বাল লৈকাদো ইকায় খুংশি য়াম্নহুনা তরং লাইজা ঈহৌরক্লে। মজাইবেম্ম থোইবীনা য়াম্নিবসি নমু ত ইবং কনানা খঙবি উবিদ্রবস্থ অয়াং লৈমা পান্থে ইবীনা উধিন্নহুনা মুয়াগী মতেঙ পাংগে নীংলহুনা থোংনাং মশাদা ফমহুনা ইল চিং য়েংলিবা থম্বহু মোংবা ময়ানয়াইদা হল্লগে থল্লহুনা উথঙ্গী কুমথরক্লে। মানা হি হোন্দুনা ঈয়াই শমলকপদা খঙহৌদনা মালং নুংশিং অকন্বা অমা লাক্তুনা মমাঙদা থংলন্বা ফুমজাউ অহু হুমদোকখ্রে। খম্বগী হি অহুস্থ মুংশিংনা মায়কৈ শথাই খঙদনা হুমহুনা পুবক্লে, হিমাই চুম্বা ঙমদ্রে। ঈয়াইদা হি হোল্লিবা থম্ববু উবদা থোইবীগী পুক্লিংদা মুংঙাইবা ফাওরে, ইকায় ইকি রাংমা লান্না "কেগে উরা ইবুংঙাই, মোইরাং ঙাংখম তাদও। নিঙোল লাইবকচাউবীগী পৌরা লিজাউ তংতুনা লেমনৈ ঙা কাবা য়াদ্রিবসি অমুক্তদি পুনবিরো" হায়না লাউরকপা থোইবীগী য়ারা মপাউহু তাবদা থম্বনা য়েংথোরকপদা ইনক নক্ন মচেম থমম্ভু, থোইবীনচিংবী লৈমরোল-শিংনা ইল চিংহুনা লৈরম্বহু উবদা থম্ব শথাই লাউই, মশাংলেন হুমাং অনপ্পা কাই, মমায় লৈরগা চেনগে থল্লহুনা হিমাই চুম্নগা হোনবা হৌরক্লে।

খম্বনা চেনগদবগী মমায় ওন্থোক্লুনা হি হোনবহৌ উবদা মজাইবেম্মহৌ ইকায় হঙ্গোই য়ায়হুনা শাউরে। "কেগে মচা কনানো, থোইবী ঐবু ইপাজল পোনগী মুপীজানি খম্নুন। উশিং থোওইদব্রা ? ইপল নিংথৌগী য়াথংনা লোক্তাক্তা ভমব মুপা অমতা ফাবা য়াদে খঙনা খঙনা উশিং থওই-দন। লাম্রিংগা ভমব মুপা অসি সেমু হি তোংদুনা ঙাক্লগা কাউ হায়রক্লে।" মজাইবেম্মা থোইবীগী য়াখং ফংলবদা সেমুনা হি তোংদুনা তাম্নগদবগী শেম শায়রক্লে, ঙা ফাম্নিবী খমনু মাদি মহুনিংথো উবদা পাখংলে, ঙা ফাবদা মপুঙ্গিং থোয়জক্রে। ফোংনা হায়বদি য়াদ, খম্লুনা সাঁপুদা চেনখিনবা লোম্না মখুং খংলক্লে। মচেমগী মতৌহু উবদা খম্ব মামু হেক ভম্বমথৈ থুনা চেল্লগে খল্লহুনা মপান্জল থেক্লা হি হোনববু চংহনলিংবা মাযকৈদদি চংতনা চংলোই খনবা থোইবীনা ইল চিংলবা মায়কৈলোমদা মালং মুংশিং অকনবনা লমজিং ওইরগা হি পুশিল্লক্লে। পোম্না লিজাও তংতুনা ঈশিং মমুংদা তাম্লিবা হঙ্গেন পোম্নাদা হিনা অমুক য়াইশিল্লগ, হিনাউনা লৈরাইদা য়ৈশিল্লে। খম্ব ইকায় মুংশি য়ামহুনা তৌফম খঙদহুনা মকা লুকহুনা লৈরে। খম্ববু উবদা 'মানখ্রেদা অচানবী, মান ইবেম্মা' হংবগা খুম্নগা মানৈ মপু মনাই অানদো, লোম্না মমিং খংনহুনা হরাওনৈ খম্ব ফংকানদা কাখংলে। গুখাগী পারমা মুংদা মুংতাহৈবগী ঈথক ঈপোম লানলবমু শাউশিনদবা যাদে খল্লহুনা লৌশিংচাউবী থাদে ইদো মপান্থোংদা অশাউবা উং-লক্লে। 'হাইবা, কাম্ন মতৌনো সিদি, লম ইরৈ লৈতংদোনা মীগী হল মথক্তা হি হোনজিন্নুমা হঙ্গেন পোম্না থুদেকপিবিবসে, সেমু নঙমু উম্নদনা, হি চংহনখিবা য়াদে ফাও' তাকপিরক্লে। মবেম্মগী উনাবি পুক্লাং খঙবী সেমুনা খম্বগী হিহু কারে। খম্ব ইঙক ওকলে, হায়রকম তৌফম খঙত্রবোই 'য়াদহুনা তৌবনি' খুমলোরক্লে। কেগেদা ইনীং ইথা ভম্না পাম্লুনী থোইবী ঐবু চেংলৌ ইশক খঙবিত্রবমু কোলোম্ন মিংলেন্দি তাবিরমগনি হায়রকপা মুম্নাগী অশাউবা য়াঙাংহু তাবদা কোলোয় মিংলেন্দা নত্তনা চেংলৌ শকমু খঙজৈ' খুমলকই খম্বনা কম্নিমু নাচুংদনা।

শামু মিংয়েংঙুম ফম্বপ ফম্বপ য়েংথোরকপা মিংয়ে', ভপৌ তপৌবা
রাঙাংচু তারগা মুরাগী খম্মোয় পেল্লবোই খাদোই মাদি শাউরি কাউ-
থোকখিছনা পাখং মঙোম্না মিংচিনা চু চুদুনা য়েংলল্রে। মীঙেক
মীয়ৌ খঙলবী সেম্বুনা মবেম্মগী মঙেঙ পাংলচুনা ওসি কেগে লৈম-
য়োল ময়াম্না লমলেন লোক্তাক পাংঙা লেংলৈ ওায়ম থাংগনি, ঙমব
ওইবা অমত্তা লোক্তাক্তা কুম্বা মাদে হায়বা নিংথৌগী মাথং পাউজেলবু
তা খিহৌদবরা হংলকপসু তাঙ্ক্রে,' খুমলকই খম্বনা। "তম্বুম সেম্বু খংনকল্লগনু
কাম্বরবোই, ইতা খম্বু কৌয়চো রাক্লেনহনসি ঐদি য়ম্ম শাউদিংলে"
হায়রমলগা থোইবী কমথে। সেম্বুনা মচেম খম্বু কৌবা চংপ্পবদা খম্বদি
মুংশাথীবনা লৈফম খঙদম্বনা মায়থোং লাংশিল্লা মক্ল লুক্কুনা রা মচেং
অমত্তা ওাঙদনা লৈখ্রে।

সেম্বুনা মাঙ থারগা খম্বুমা মবেম্মগী নাক্তা লাকপদা মঙ্গনিংথৌ
লৈরম্বু উবদা পাখংলে লায়রবী মাদি ময়াংলেন ছমাং কানলে।
ইঙ্গনিংথৌ নওবু করিগীদমক নফম অসিদা লাকলিবনো ওঙোয়া
লমহেনথ্রেদকো খম্বুক্লে লায়রবী খম্বুগী মঙ্গনিংখৈ। থোইবীনা, মাচনা
থোক্লা "ইতা খম্বু! ঐদি লেমলৈ ওাম্বু অমত্তা কাড্রি ইলমু হি
হোনজিল্লক্লুনা থংদেকপিয়ে। কেগে ইবুংঙাহ মোইরাং ওাংখম তাদসি
ইতাবু শকখঙ মায়খংবিদ্রা' হংলক্লবদা 'খঙদে মজাইবেম্মা' খুমদোয়কলে
খম্বুনা ইরায় লায়না। অহুদি ইতা নখোয় ময়াম তুজোন থনদ্রি ফাওবা
লেমলৈ ওা ফাবিহৌথো। নত্তাদি সেম্বুগা লোয়ননা কেগে লমহেনবা
পাখং অসি পুরগা কেগে চৈরাপ কুচু থোদাপুং কানবা য়াপ্রে হায়রকপা
মবেম্মগী য়ারাচু তাবদা লাইবকচাউবী খম্বুদো মুংশাথীরবোই থম্মোয়
ওনিক তাংক্লে, কেক্লা ওমশিচক্রে, মুরাং মিংলু নাপোমদা পিশী ঈরা
হৌরক্লে। মজাইবেম্মদা চিংনা য়েংলগা রাহৈ মঙেক মঙেক্লা মুরা মথোল
ওন কপলি কপলি তৌদুনা 'কেগে লমহেনবা মচাসে মীতোপ নক্তে
নতা লায়রবী খম্বুগী পাওজবা ইপা অহুনি। নত্তাগী মায় য়েংবিদুনা
উন্দকমুক্কদি তোল্লবা লমজা ইপাগী মরাল ওাকপিয়ু' হায়না মবেম্মগী

মখোং কোন্দুনা হিক্না হিক্না কপ্লক্লে। খমনুগী য়ারাহু তাবদা থোইবী ইপা পাখংশিল্লহনা 'হাইমা ইও। ইবেম্মা! ঐদি খঙদেদনা ইতাগী নৌনা ওইরকো' হায়না মতাবু মুংশিনা কোনখৎপিরে। মনাই সেম্বুদা হায়ফেং য়েংলমলপা খম্বদা ঙনশিন্দুনা 'মুংশিদা ইপাদি ঙম্মোকনা চাউ শাংলমলেদ। মগী মংতৌনা চঙখাল্লিবা ইকায়না থিগল্লিবা। ইচেমগী ইবুঙো শাউগনুকো খঙদহনা ইচেম্না পংঙাঙ হেক ঙাঙলুরে' হায়না মপু মনাইদো লোম্না য়েংনহনা নোকচৈ খমনু মাম্নু মথক্কায় মুংঙাইজে। থোইবীনা ইপা হায়বহুদা খম্বদি মথক্কায় শোক্না শাউ-নিংবহু লুঙোন কাঙবোই মশা পুম্না হুমাং কাংলে; খুমনিংবা কয়াম্নু মচেম লৈবদগী খুম্বা য়াম্দহনা মাগী খোঙবিহু লৈংলম্লে। য়েংনুনা অশাউবা খাঙলিবহু অতৈ কনাম্নু উদে, মিকুপ নাহুম খঙবী থোইবী মাদি উরে। মনাই শামবা ইপা অদিবু মোইরাং কনাগুম্বা উথ্রবদি কেগে রাখোক ওইরগনি, মপুগী চৈরাক কংলগনি, থাদোকপিথ্রো মনাইবু হায়জরকপা খমনুগী য়ারাহু তাবদা থোইবী মথক্কায় মুংঙাইরবোই মতোমদা ইশিশিনা নোক্লুনা 'করি য়ারানো ইতাইবেম্মা! কেগে কনাগী মথৌ লৈবগে? থোইবী ঐনা সোক্লাক্লা লেমলৈ ঙারম তানবদা ইপা লাকপবু কৈদৌবগে লৈজসম্নু খুমদোহকলে। ইচেগী ইবুঙো ইচেগী নাক্লা লৈহনা লেমলৈ ঙারম তানবহুম য়াওথো, ইচেদি ঙা অমত্তম্নু ফাবা ঙমদ্রি হায়দোরকপা মজাইবেম্মগী য়ারাহু তাবদা খমনু চম্নরে রা মথা তাবা ঙমদ্রে। রাংলেন মতমম্নু রায়শিল্লকলে তুংগোন থনবা ঙমহৌররোই, ইতাহুম চৎলো হায়রক্লবদা ফগনি ইবেম্মা হায়না হায়ফম তৌকম খঙদনা খমনুহু মুংবননা হম্না হম্না য়েংহুনা মাগী ইল থাকম তান্না চৎখি।

মচেম খমনুনা চংগ্রবদা লুদা চংবা লিংহাগুম মহিক মম্নাই চম্মবা খম্বদো ইকায়বা অমদি মুংশাথীবা খরা মখৈদি কোক্লে, অহুবু রাদি ঙাঙখিদে, মমিৎ অনিহু ঙাহাক্লা পোথাদবমখৈ থোইবীদা অমুক য়েং সেহুদা অমুক য়েংহুনা লৈরে। মপু মনাই অনিম্নু রাদি ঙাঙনদে, লোম্না

লোয়া হু হুছনা খংদা য়েংছৈ, মথবায় তানা নোকচৈ। অসুম্না তাহাক য়েংনবন্নগা থোইবীনা খংদা ওনশিন্দুনা, তুসি ইপ্‌ামা খোংদাইবকপসি ইচেদি ওন্তোক্লা নুংঙাইজাত্ত্র, ইথুংমা কোন্নো মোংমাদংল কান্না কংবওমলে। ইচেম্মা হকেন তেকশিনবা পোৗরা শিজাউ তংলিবসে ইপ্‌ানা অমুক্তা পুনবিবস্ত্ ইপ্‌াগী অপাম্বহু ইচনা চৈগনি তাইয়াংই। মতাইবেম্মা থোইবীগী য়ারাহু তাবদা ওসাইমথৈ মরোল কোস্তুবংস পুমিমা লৈরবা খম্বদো তাদুনা কৈথোকপা হুন্নক্কু যোই মাখংল ইচাউ চাউনা “মীগী চহীগা খঙদনা ইপ্‌া হেক্তং কৌবসে তাবা কযা কুংমাইহাত্তম।” থুংদোরক্লে! খম্বগী যায়াহু তাবদা থইবী লম্নোম কেনম্মংবাই ইতোগী ইপ্‌ামি হাযবতুদং মিংংগৌকম য়াদদুনা হায়ত্তরকনি রাকৌশিগনু’ হায় বহুনা মনাক্তা লেপচম্বিবী সদাল লৈকদ্রবী সেম্নুদা খুজিন্না শিক্নুনা ইকায়বা খাস্তবদা সেম্নুদি নানমখিবনা মমায় ইচপমুক চংমনা অরো হংযবসু যাদ শুগংতুনা চৈনাখোল থাওজখি। “তযুম সেক্সু অচানবী! ইত্তা লাযরনবীগী ইপ্‌াসে ইপ্‌া কৌবদা য়ায়া শাউবমানে সংডংদচি নওসু পন্নুরনু ঐসু ইপ্‌াগা কৌঙরোই মিংলেন ওইনা কৌংবা। ইপ্‌াগী কোনেয় মিংলেনবু কখি কৌবগে” হংদিরক্লে মচাই বম্। ঐগী মিংলেনবুদি খম্ব কৌই হায়বন্নগা ঈশিংদ। কুমথখি। হক্তেন পোয়া অতেকপহু শমত্তিন্দুনা পুনশিল্লগা বাখংকক্লে। ইপ্‌া কৌবা শাউব নিনা অদোমগী অপাম্বহু ঐংনোন্দা তাকশিন্নো অংামন পীত্তংগে হায়রকপা খোইবীগী যায়াহু তাবদা য়েংথোরকপা কুংশি মিংংংশু উবনা খম্ব মথরায় মুংঙ ইরথোই মোমোন মোমোন চোত্তুনা মমিং খক্লপ খক্লপ যেংদুনা রাহৈ মতেক মতেক্না ঐগী অপাবা পীবিগে খল্লবদি হান্না শরি পন্দোল লোমবিখো অহুগা কোন্না হায়জগে হায়মক্লে। “ঐনা পীবা ভম্বা ওইমবদি শোয়দনা পীজগনি, শম্নিসো চিংক্ খাংজীংনা পলেপনবা ওইসমু” খুংদোরক্লে চিংনবা লৈক্তনা মজাইবেম্দো। ঐগী অপাম্বহু মীয়াম মমাঙদা হায়দোকপা ইকাযজৈ কোন্না হায়জগে হায়রকপা খম্বগী যায়াহু তাবদা মীরক নারক খঙনী মীহেক মীরো

উবী সেম্বদো লৈবা ওল্লক্রবোই ইবেম্মা, ইতা খমম্নুগী লেমলৈ ঙা ফাবা অমুক্তা পাংবিরুখিগে হায়রম্লগা খ্না য়াঙনা চংখি। সেম্বনা হেক চংখিবগা খম্বনা থোইবীবু চিংনা য়েংলগা 'ঐদি অতৈ করিম্মু পামজদে ঐনা পাম্বদি অসিদনি' হায়না লুরবা লাইজ ঈরোলম্নুংদা ময়েক শেংনা তারিবা থোইবীগী মিরেল অচৌদা খম্বনা খুদোম্বী ছিল্লক্লে। খম্বগী মওং মতৌচু উবদা মুংশিবা রাঙাংচু তাবদা থোইবীদো থম্মোয় পেনমনঙ্বুনা 'খুদক্তা হাইমা অত ওইরেকো অঙাওবসিদি' হায়দোকলুরগা ইকায় মুংশি য়াম্লরবোই মুবা পায়মা তয়াং তশোইরে থম্মোয় তনিক তনিক্লে। খল্লু খল্লুবগা মতোমদা অম্মুম অম্মুম ইকায়জরক্তুনা লেম্মা ওমশিল্লকতুনা মুরাগী নৌববী খোঙবিদো লৈপাক্তা তক্তুনা ইকায়বা খাঙবদা কুরোন হুগদোরে। খম্ব মাম্মু করিমুংগী হায়জরুরবনো খল্লুবদা মতোমতা ইকায়জরক্তুনা মায়থোং পুবা ওমশিল্লক্তুবনে, লেপপগনা রারকপনে চংপনা ফরগদ্রা খল্লক্তুনা চংকে তৌরকলবদা থোইবীচু মুংশাথীরক্লে। তেনবানা লৈপাক চংকুম্বী য়ুমলৈমনা লিক্লা কানগুপী লৈরাংগুম নিংথিবী শিঙেলগুম তনৌবী থাদোইদো ইকায় ইকি রাংমা লাম্লা কাংগুগী খোঙথাংবু তমজনা চঙশিল্লকতুনা খম্বগী মাঙদা থংলরে। লৈরাংগী লৈকাগুম নৌরবী মুরাগী মিংথম্লা থম্বালদা মুংশি লাইজ ঈহৌনা মশাবী চেংলৌ মুংশিবা চিংনা য়েংলগা "লময়াই কাইগী লোয়ুধা, থংলেন মীচাপোক্তি পাম্মুবা! পাখং চেংলৌ উজবা মুংশি য়ারা নপাউ তাজবা কোরৌ হুমিং অচৌদগী লাইবক-চাউবী নিঙোলগী য়াইবী থরায় মঙাসে খরাই থক্তা লৈহাপপা লৈরোং লাইদা কংপগুম পাখং নফমদা কংঙবী ননাওনি। ইবুধৌ থাংজীং চিংগু মাবু চেংনা থাগোম্লা মপোক লাংওন অসিমা পাখং নহাক্তা মুংশি রায়থুংনজগে লৈপুল খয়োম শেম্বিয়ু চিংগু লংলা পাদমবিম্মু হায়না থোয়ুম খুয়া খাদা তাউজিং হৈরুক কাজবা শিঙেল লৈরাং কংচবা লোইদাম থাবুম অহুম ফারক্লে, লাংহৈ কুম্বু ওল্লক্লে। নিঙোলগী পায়মা মুংদা ওমচাক্ররিবা মুংশি খাম্বী মৈচাকসে ওসি কোরৌ হুমিত্তা পাখং পায়মা মুংগী অশেংবা য়ারা ফিগৈনা মুংশি খাম্বী মৈমুংপিন্মু।"

হায়রক্লে। মজাইবেম্মা থোইবীগী মপুক্লিংগী অচেৎপা য়ারাদু ভাবদা খম্ব মাদি ঙকপদা থেংথ্রবোই হায়ফম খুমফম খঙদনা থাদোই মাগী মুংশি চেংলৌ শক্তম্ব, মমিৎ কুপ্তরমখৈ য়েংদুনা লৈরে পাউখুম পীবা ঙমদ্র। ইকায়খীবী থোইবীসু লোম্না য়েংজবা নত্তনা মিৎচান্নবা ঙমদদুনা মালেম লুরুক্লা ইকায়বা খাংজরি। "মুরানা পুক্লিং লেপশিন্নবদি পাখং ঐসু লেপচরে। ঙসি কোরৌ নুমিৎতা থমংখোংগী খোংজিন্দা ভারম পাংকী পাংচিন্দা মুংশি লৈপুল ওইনবা ঈথৈ নিংথৌ পলেপ্পা শরি পন্দোল লোম্নরসি' হায়-দোরক্লে খম্বসু থৌনা ফনা। শাবি শানৌ অনিদো অপাম মুংশি রায়থুং-ননবা, লৈপুল খয়োম শেম্ননবা মুরাগী ঙকশমদা শিরিবা শংরিক থেংদ্রম শাবি লিল্লাংগী মচুম থকমিন্নদুনা ঈথৈ নিংথৌ পলেপ্পা রাশক পন্দোল লোম্নরে। শাবি শানৌ অনি.দা ভাহাক রারী শান্নরগা কোরৌনা নারল রায়শিল্লক্রবদা খংদি উকায় হি তোংদুনা থংনা য়াংনা লায়রশঙ পাংখি। ভাহাক লৈরগা লৈমরোলশিংসু মাগী মাগী ইল হঙ্গেন পুরগা কান্নরক্লুনা, মালেম লৈনা মমত্রিঙৈদা মোংবা মরানয়াই য়োনখি। থোইবী সেগু মপু মনাইসু রারী শার শারদুনা তম্পাকয়ুম পাংখি।

নিপালগুবা মতাং

কাং শান্নবা

কেগে ইমুং ভানবা মোইরাং শোরা হেনবগা লৈমরোলশিংনা মানা ম না ফানরকপা লেমলৈ ভায়ামত্থ পুনরক্লুনা লোইজা নিংোল লাকপগী মযুমদা থংলরে। চমু নিঙোল মথৈদো হয়েং কোরৌদা খুম্বক থুনখা কাং শীংনদুনা শান্নসি লেপ্পরে। মাগী মাগী কাংখুৎ খোমনদুমা কাংগীদমক্তা শেম শাদুনা নোংভানবা ভায়দুনা লৈনখ্রে। নোং হেক ভানবগা চমু নিঙোল ময়ামদো মচল মুরবা হৈনম লৈনম্না চুরবা চেংহী শম্বাললাং উতি শমখোং তেংদুনা খুগা নাবরী কো'য়াংরা রাঙ্গী শমজেৎ তোনাম্বীনা শম্নাং মপুম থিদুনা কাংমুক মামনা হাংলগা মাবা মানা শেংপা ইনবদা পকচবা চরৈ নমখাং ফিজেৎ লৈংজংগী খম্নবদা তরা চাবা খোয়জংনখিদ্রে। মোইরাংগী নহা অহল মুপী

ফুপা ময়ামস্থু অমুক্কী তরা চারগা অনৌ অনৌবা ফিজেৎ লৈতেং ফজনা শেং-চারগা কাং য়েংবা লাক্লরে। অঙোম নোংবান অথা কোংয়াম্বা কুমজিন ইস্থম লৈগুম্বা অথৌবস্থু মনাই শৌরাগা লোয়ননা কাং য়েংগদবগী মাঙজিন থান থুংলবে। খুমন চম্থু খমম্থুস্থু থোইবীনা লৈবিবা ফিরোল লিককোল লৈতেং ময়ামতু শেং চাবগা কাং শান্নবা চৎলমদাইদা মহুনিংথৌ কৌশিল্লগা 'ইহুনিংথৌ! লৈমরোলশিংনা কাং শান্নবা ইচে য়াঙকখিগে। ইচেমগী হৈনা ইতুংদা কেগে পনবান লাম্না থাঙ্গ লৈকায় কোয়রমগন্থু লৈমরোলশিংনা কাং শান্নবা লমজা য়েংগে থল্লুগম্বুকো" পাঙমেম্নরক্লে। 'ইচেমহল! নহুনিংথৌগী ইশক অসি কয়ামুক থীহুনা কেগে মীরক তিনবা য়াবোইদৌবিবনো" হংজরক্লে খম্বনা। মৌপাগী মপুক্লিং মুংশিবা য়ারাহু তাবদা থমম্থু মথরায় মুংঙাইখিদে। 'ইচেমগী ইবুঙো লায়ববা! ইচেম্না লায়ববনা নতিক নাপা চাবা চরৈ কি থোনবা ঙমদবনা তবা লৈকায নমান্নবগা মীমান্নবা ঙমদ্রবদি তাংজ মায়খুনগনি থন্দুনা ইচেম্না থাম্বনি!" চুমই ইচেমহল, নৌপা চৎচরোইদা হায়রকপা মৌপাগী য়ারাহু তারগা থমম্থু মথরায় মুংঙাইনা কাং শান্নবা চৎখি। খুন্থক খুনথাগী পাথং লৈশাবী নহা অহল মীয়াম্না কেগে সোরোক পাবমথৈ কাং য়েংবা চৎনবহু উবদা মাদোন্দা মতোমদা ফমহুনা লৈরিবা খম্বদো ফম্বা য়ারক্লুরোই থোঙ্গান্দা থোক্তুনা মীযাম চৎপহু য়েংলম্মী। মচেম্না চংকম্থু থিংলম্বনা চৎপদি হেক ঙমদ চৎত্তি চৎলিং, মচেম্না কবি খনখিগদগে কিজবনা মখোঙ থাংদোকপদি ঙমদ তরেং তবা য়াথল তৌহুনা লৈবিঙৈদা খুম্থক্কী পানা মকোক তারি নামোইজাম্বা লাক্লুনা খম্ববু কাং যেংলুসি হৌরববদা চৎলোই হায়বা ঙমদহুনা ইমুংদগী ময়াক তাইবা লৈরুন ঙবোং অমা ইনশিল্লগা ময়াম্বা শক্লবা নামোইজাম্বগা কাং যেংবা লাকমিনবে। নিঙোল লাকপগী থবাই থোঙ্গাল য়োরবদা মচেম লৈয়মগনি থল্লুবদা খম্ব মখোঙ থাংজিনবা ঙমদ্রে। অমরোমদা মজাইবেম্মা থোইবীনা কাং কাপ্লহু য়েংনিংবগী থল্লুরগা থুম্না চঙনিংঙি। অম্থুম্না চঙসি চঙমদা হনসি হনঙমদা নিংজিং মাঙজিন্দুনা লৈরে খম্বদো।

লৈকম ঙবোংনা ফিরুক খুমজিল্লগা মমিৎ মাপাদা খজিক্কৎ ফাংলগা কপ্প চঙলক্লনা মীয়ামগী তুংদা লোৎতুনা কাং য়েংই।

লোইজা নিঙোললাকপগী কাংশঙদা কেগে লৈমরোল শুনা তিল্লক্লে, খুন্থক খুনথাগী কাংখুৎশিংস্তু কাং শান্নবা থোক্লবক্লে। খুন্থক্কী কাংখুৎতনা রাঙ্গোন নিংথৌ চৌংখু নহা তেলহৈবগী অমত্তা পোবপী থাদোই মমোম লাংলেন মজাইবেম্মা থোইবীনা কাং তোংই। খুনথাদনা অঙোম খুন্থৌবা খদ্রাকপগী মমোমলোই মমা খুরাইলৈমনা পোকপী নোংবানগীদি মচল ইবেম্মা তোমথিন শাৎপী তোরোনা কাং তোংই। মজাইবেম্মা থোইবীগা লাম্বা চাবদি তোরো নত্তনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কনাস্তু লৈরমদে মতমত্থদা। মশক ফজবী, মতৌ লৈবী, বৃচু কুমেন চঙখোনবী চুং ফিরান চাবী শাগৈ নাতৈ খুৎকন পাঙ্গনবী অঙোম চমুনি। মাগী রাৎপা হায়রবু মশমদদি খোইবনা খোইজুগুম্বা শন্নাংনি। পোকপদগী লৈশাবী ফারবা ফাওবদা মমা খুবাইলৈমনা মমোমগী খোইরিবা মশমত্থ ফননবা হোৎনবদা তয়েং শেঙ্গাউ ময়েং তাপ্রবনি। লুতুং তাবা শন্নাংদো লেংপাক গোকপা ফংদবি, লুমাং তাবা শন্নাংস্তু লাইবক পকপা ঙমদবি, শাইনোন অনি অহুস্তু নাপ্পা কুপ্পা থুংদবি। অহুবু অপোকপা পলেম পহৌ অনিনদি অমত্তা পোকপী মমোমবু লুনা চান্না তৌবনা কেজবদা লাম্বা লৈতত্থনা চুন্না চৎচবা হৈত্রিবী নৌজবদা মরোল খোইজরিবী তোরোনি। মশম অখোইবত্থ উদনবা লৈবাং লৈখল শুনা থেৎতুনা অরং অরাক ফিগে ফিবাং শেৎতুনা ফিজেৎ লৈতেংদনা লাইফদিবীগুম মশা পুময়োম য়োমশিল্লবা তোরো লাকপা উবদা য়েংনিংদবা নোকনিংদবা কনাস্তু য়াওথিদে। থোইবী তোরো অনিনা মাগী মাগী কাংখুৎকী মকোক্তা হেক কমুখিবগা কাং কাপপা হৌনরক্লে। কাং অপানবা খুদিংগী কাংখুৎশিংনা হরাওত্থনা নোকচৈ, মাগী মাগী পানাগী মীয়ামম্তু মুংঙাইত্থনা লাংনরকই। কাং কাপপা য়েংগদবগী ইন্নবদা তুংদা লৈরম্বা কাংবুনা মাঙ থারক্লে, মাঙদা লেপলম্বা অশোনবশিংত্থনা তুংদা ইম্নগে। মীয়ামগী তুংদা ফিরুক খুমত্থনা কম্নম্বা খত্থদো খুন্থক্লা কাং পানবা খুদিংগী খরা খরা চৎখৎলকপনা

মমাঙগী পবেং য়োৎরক্লে। মচেনা মাবু উথ্রে মজাইবেম্মনসু মশক খঙলে খম্ব নাম্ংোকপা য়ারোইদৌরে। খম্বগী মশক উবদা থোইবী সেম্ম মপু মনাইদো। মমিং খংলরে, রাদি ঙাঙনদে। মজাইবেম্মদি হয়াওজবনা মোমোন নোকচরে, কাং কাপপদা মপুক্লিং থোয়ক্ংদ্রে, খম্বদা লোম্না চুদুনা য়েংলকলে। মপু মনাইগী মিংলৈ নাবৈত্ত উবদা খম্ব ইকায়জবনা মমায় হায়গংতুনা কাং য়েংজবা ঙমদ্রে, মক্ক লুক্কুনা লৈখ্রে। লায়রবী খমম্নুদি মতু নিংথৌ উবদা পাখংলে, রাদি ঙাঙবা যাদবনা তুমিন্না লৈরে। থোইবীনা ফমফমদগী হৌগৎলক্কুনা খম্বদা হাইফেৎ য়েংলম্লগা চেকফৈ কাপপদা থাংজীংনা ফাংদা তোংবিরবোই কাং অদু লৈপাক্তা মচেক্না তাদুনা থরো থবো ওন্দুনা লাক্লগা পানগদবা কাংখিন্দদি পান্দনা খম্বগী ওইথংবা চরৈ ক্কিকমদা চঙসিনখিবদু থোইবী সেম্ম মপু মনাইদি উহৌরে। সনানা হাজং য়ৈরবা লুপানা কোঙোল থিল্লবা মজাইবেম্মগী খুংসু কাংদো মাঙখ্রে হায়না সেম্মুনা কাং থিজিন্নরে, কাং থিবা ফংদ্রে. মীয়াম মথরায় রানরে, কবমনো কবমনো নিম্নরক্লে। পাউ অসি তাবদা নিঙোললাকপা থোবক্কুনা মীয়াম পুম্নমক হৌগৎহন্দুনা মফি কনহল্লে, খম্বদি হৌগৎতে ফমদুনা অদুম লৈবে। মাওদা নিঙাইদনা ফমলিবা তমব মুপা অসি হৌগৎচল্লু হায়না মীয়াম্না লাউনবক্লবদা খম্ব ইকায়দুনা হৌগৎপদা মাগী ফিমুংদগী কাং তারক্লে। মদু উবদা মীয়ামদি তুমিন তুমিন লৈনৈ, নোংবানদি মরম্নাই ওইনা শাউদুনা খম্বগী নাক্তা চঙলক্কুনা তমব নঙনা হৌগৎলু য়াদবদি মজাইবেম্মগী খুংসু কাং চুদুনা পুগে তৌব্রা হায়রক্লবদা খম্ব শাউদুনা নোংবানগা মায়য়োক্লনা থংনগে তৌরক্লে। মদু উবদা থোইবী মুংশাথীদুনা "ইবুং লোইজা নিঙোললাকপা অঙম্বা! ঙসি লৈমবোলশিংনা শীংনদুনা শাম্নবা কাং অসি কেগে রাথোক ওইবা য়াদে। ঐনা কাং কাপপা শোয়দুনা কুম্মৈ য়েংবা লাকচবা তমব মুপা অসিগী চরৈ ক্কিকমদা কাং চঙখিবা ওইরিনি। কেগে মচা অসিগী মরাল লৈত্তে হায়রক্লে। মজাইবেম্মা থোইবীগী য়ারাদু তাবদা নোংবানদো রা মথা তাবা ঙমদনা ইকায়বনা মক্ক লুক্কুনা মফমলাংদা চঙশিন্দুনা ফমখি, খম্বদি

শাউদুনা কাং য়েংদনা ময়ুমদা হনখি । কাং শান্নরম্বা চম্বু নিঙোলশিংস্সু ফমফমদগী হৌগংনরক্তুনা লাংনবনা কাং শান্নবদা মপুক্লিং খোয়জংদবদু উবদা নোংবান্না মীয়ামগী মমাঙদা চঙশিল্লক্তুনা, 'চম্বু নিঙোলশিংস্সু কাং শীংনদুনা শান্নরবনিনা খুম্বক খুনথাগী মপা ঐখোয়স্সু কাংজৈ শীংনদুনা শান্নসি কুম্মৈ ওইহনসি হায়বক্লে।" নোংবানগী যারাদু তাবদা খুনথাগী কাংজেবোইশিংদি হরাওনরে । খুম্বক্কী কাংবুদি নোংবানগী লাম্বা লৈতে খঙবনিনা কাংজৈ শান্নসি য়াদ্রে। থোইবীনা খুম্বক্কী কাংজেবোয়শিংদু কৌশিল্লগা কাংজৈ শান্নৌ হায়ববা ফাওবদা নোংবানগী লাম্বা লৈতে শান্নরুরগা পাঙ্গল পোত্থনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা চোপকনি খুম্নক্লে। নোংবানগী লাম্বা পীগনি পীবা ঙমদ্রগা থোইবী ঐনা কাংজেরেল ওইগনি তাকপিরবদা খুম্বক্কী কাংজেবোয়শিংদো কিদুনা মচিন্দদি হোয় হায়রবস্সু মবুক মবুক্তদি য়ানিংখিদে। খুম্বক খুনথা কাংজৈ শীংনদুনা শান্নবা তারবদি লৈবাক নিংথৌ খঙনা শান্নগদবনিনা লৈকায়লাকপা কৌবগা ইপু চাউবা নোংথোম্বা হায়দুনা নিংথৌদা হঙ্গৎহল্লু তাকপিরে মঙ্গাইবেম্মনা। মুমিৎতুদা খুম্বক খুনথা শীংনদুনা শান্নবা কাংদু পাঙ্গল অমত্তা চন্নব ঙম্মদনা চরাংনদুনা তোক্লে। কোরৌনা নারল রায়শিল্লরবদা চম্বু নিঙোলশিংদো মঙরায় মুংঙাইতনা মরানয়াইদা হন্নখি। থোইবী সেম্বু থমম্বু মখোয় অহুমস্সু রাবী শার শারদুনা হনমিন্নখি ।

মাপলশুবা মতাং
পানা কাংজৈ

খুম্বক খুনথাগী কাংজেরোয়শিংনা পানা কাংজৈ শান্ননিংবগী পাউ অসি লৈকায়লাকপনা তমদুনা তারবদা চাউবা নোংথোন নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বনা মতম চাবা য়েংলগা মপু মোইরাং নিংথৌগী সনা নাক্তা চঙদুনা হঙ্গৎলক্লে। "ঐবু লোইবা লৈমাবা ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ। য়োল্লবদা কনবিয়ু লাল্লবদা ঙাকপিয়ু। কেগে মোইরাং ঐখোয়গীদি মুক্তা কাংজৈ লমজেল নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা হরাও কুম্মৈ লৈত্তেদো। শজিবু লাইয়েল কিশি তাই কোংবা লৈথোং ফাৎলদুনা কেগে লৈমরোলশিংনা লোক্তাক্তা কুমদুনা

সেমলৈ ঙা ফারগা তরা চাকচা হৈজানদুনা খুম্বক খ্ুনথাগী চম্মু নিঙোল-শিংসু কাং শীংনদুনা লোইজা নিঙোললাকপা অঙম্বগী কাংশঙদা কাং শাম্নগ্রে। মোইরাংগী পাখং নহা অহল-লমন পুম্নমক্না খ্ুম্বক খ্ুনথাগী পানা কাংজৈ শান্নহনবিম্ম্ লৈবাক্কী কুম্মৈ ওইহনসি মুক্না কাংজৈ উরক্কবা চহী কুমজ্জা ওল্লক্লে হায়না অনি তিল্লে ঙাঙনরে, অহুম তিল্লে শোম্নরে। কুমসি কুমজাদি পানা অনিগী মতিক চারবা নহারোল কাংজেরোয় ৎইবা য়াবা কয়াসু চোংথোরক্কনি। অদুনা হৌখিবা চহীদগী কুমশিনা কুম্মৈ মুংঙাইবা হেনগনি খনজৈ"। "চাউবা অঙম্বনা তাকপিরিবদু য়াম্না চুম্মি অদুবু শানৌতোনগী খ্ুম্বক পানা অসিনা খজিক্কং নোম্নগুম তৌবা অঙোম নোংবান কোংয়াম্বগী লাম্বা লৈতবসিদা ইনাউনা তাংজ মায়রুক্কবদু য়েংবা মুংঙাইতদুনা কদায়নো খন্দুনা হৌদোক্কবনি। লৈবাক্কী ওইবা হরাও কুম্মৈ তৌরক্কবা কুইবে। শানৌতোনগা তান্নবিম্ম্, মানবু য়ারবদি ঐদি ইয়া য়াই" তাকপিরক্লে মপুনা। নিংথৌগী য়াথং ফংলবদা পায়মা জৌশিং চাউরবা চাউবা নোংথোম্ন মপু চৈরাপ্তা চঙলক্ক্না মনাউ ইবুঙো চীংখ্ নহা তেলহৈবদা হঙ্গৎলরে। "কেগে মোইরাং লৈবাক অসি হরাও কুম্মৈ তৌরক্কবা চহী কুমজা ওল্লকলে। নহাশিংদা চল্লগা কয়াসু পাখং শরেপ ফাবা য়াওরম্নগনি। কুমশিদি খ্ুম্বক খ্ুনথাগী পানা কাংজৈ শান্নহনসি হায়রবু রাঙ্গোন নিংথৌ মপুগী পায়মা উনগোইমুংদা করি থনবিবা লৈবগে?" "চুমই অঙম্বনা তাকপিরিবদু। লৈবাক্কী ওইবা হরাও কুম্মৈ তৌরক্কবা কুইরে। অদুবু অঙম্বা, ঐগী খ্ুম্বক পানা অসিনা খজিক শোনমনবা অসিদা নোংবানগী লাম্বা পাবিনবা কাংজেরেল চৈতব-নিনা কুম্মৈ মপুং ফারোইদ্রা খল্লুবনি। অঙম্বনবু লৈবাক্কী কুম্মৈ মুংঙাইনবা লাম্বা চানা শিনবিগে হায়রবদি ঐদি করিসু য়ানিংদবা লৈতে" তাকপি-রক্লে। মনাউ ইবুঙোগী মপুক্কিং খঙলবদা চাউবা নোংথোম্বা মুমিং লেপ্তুনা হয়েং খ্ুম্বক খ্ুনথা পানা কাংজৈ শান্নগনি হায়না লৈবাক শীনবা থ্ুংনা পাউ চেল্লে। কাংজৈগী পাউবু তাবদা মীপাইচাউবী খমনুদি মুংশা খীদুনা মোপ্াগী নাক্তা চঙশিল্লগা, "ইচেমগী ইবুঙো ইদুনিংথৌ! নোয়াই

নওনা পিক্লিংঙৈদদি ইচেগী নাক্তা শান্নহুনা লৈ খরাই থোঙ্গাল লাক্নে। হৌজিক্তি পাঙল শরেপ ফারকপসিদা ইচেদি নোংমা নোংমগী রাবা হেনগৎলক্লে। খুম্বক খুনথা শান্নপদৌরিবা পানা কাংজৈ অসি নোংয়াই নওদি নহানিনা য়েংনিংঙিনিদো ইচেদি কাংজৈগী পাউ তাবদা মিপাইবে। ইচেমগী ইবুঙো! কাংজৈ শান্নবা য়েংবা চৎকনুবা" খেয়রক্লে। মচেমগী য়ারাহু তাবদা পানা কাংজৈ য়েংবা চৎকে খল্লম্না খঙ্গদো নীংবা কায়রবস্থু মচেমা মুংঙাইখিবোই খল্লুনা চৎনিং চৎনিংনা চৎনিংদবা শান্থনা "পলেম শকপী ইচেমহল, নম্বুনিংথৌ চৎচবোই, পাবমা মুংদা চিংনবিগন্থ" হায়রকপা মৌপাগী য়ারাহু তাবদা খমম্থু মথবায় মুংঙাইজৈ।

রাজোন নিংথৌ চীংখু নহা তেলহৈবনা (চীংখু অথুবা) না কেগে চৈরাপতগী কুম্রকপদা মায়থোং লাংশিন্না মথরায় মুংঙাইতনা চঙক্কপতু উবদা থোইবীনা মপাগী নাক্তা চঙশিল্লগা "ইপা ইবুঙো ঙসি পস্থৌনা কেগে চৈরাপুগী থৌগুম্রকপদা মাযথোং খেবু লাংশিন্না রাখল পোংলুম পুবিববু লৈবাক নিংথৌগী ওইবা অরুবা রাকম করি লৈবগে? নমোমদা চিংনা পরৈ লৈতনা তাকপিযু" হায়বক্লে। অমস্তা পোকপী মমোমবু চিংনা য়েংলগা, "ইপাগী লাংলেন চরৈহল! লৈবাক নিংথৌগী ওইবা অরুবা রাকম করিস্থু লৈতে। কুমসি কুমজাস্থ খুম্বক খুনথাগী পানা কাংজৈ শান্নগদৌরি। নপল ইবুঙোগী পানাদি অঙোম নোংবান্না কাংজৈরেল ওইবনিনা খুনথা পানানা খুম্বকপু মুক্না কাংজৈ চমহেন্দা থংন থংননা থোইরকপসি চহী কুমজা তরেৎ শুরেদো। কুমসিগা থোইরবদি চহী কুমজা নিপাল শুরগনি খল্লুবদা ইপানা ইতোমদা ইকায়জহুনা তৌবনি। ইপাদি পানা কাংজৈ য়েংবা চৎলোই, কেগে লৈকায় মীমাঙদা তাংজ মায়রুরগনি। ইমোম লাংলেন নহাক্তা ইপাগী ইহুৎ ইরেং শিন্দুনা পাংত্রবস্থু ইপাগী খুম্বক পানাগী কাংজৈরোয়শিংবু মীরাম্নগম্ন; মায়থী-রবস্থ তাউজিং হৈরাং নীংখিবা পীজহুনা মখোল্লগী মপুক্লিং থৌগৎপিয়ু ইপা ইচাগী মায় চোপপা রাদে" হায়রক্লে। মপাগী য়ারাহু তারগা মপুক্লিংদা নীংজরিবা রাকমহুদি ফোংদোক্তনা হরাও মুংঙাই মায়থোং মকা লামনা

"ইপা ইবুঙো ! পায়রণ্ণ মন্দা চিংনবগী ঈথক ঈপোম লাংতুনা সুংঙাইজবা শংকলোন পুশিগনু। পম্বৌগী নহুৎ নরেং শিন্দুনা নমোয়া অমত্তা রাংতমা হোৎনগনি পম্বৌগী মায় খুইল্লোই" হায়রক্লবদা য়াঙ্গোন নিংথৌ মথন্নায় সুংঙাইরে। থোইবীনা মপাগী নাক্তগী থোৎক্লগা মমাই সেম্নু পুদুনা নাকলথোং হাংতোক্লগা লায়রশঙ পাংল্লে। কোয়ৌ থঙ্গা ভাল্লবা য়োইময়াই তাউদল অঙানবনা লিরা লিঙুম তোন্নাহল, লান্দা লিঙুম খোই-খোইনা ময়ুম থোংনাংপাং, নোংচুপ চীংথোং তম্না অঙানবা নেম নেম কুম্নকপা চীংয়া খেনজোং লাংলবপা তময়া কোরি চেল্লকপা মহমদা মপু মনাইনা লায়রশঙদা তফিং থফিংনা চঙবকপু উবদা মাঙ্গোন্দা ফমলগা মচিল মৌপাদো ঙকপদা থেংগ্রবোই ফল্লম্বগী হৌগৎনরক্লে। খমনুনা চেম্বোক্লগা মজাইবেম্মা লেংশিনবিরকউ হায়না হরাও হরাওমা কৌশিল্লগা মাঙ্গোন্দা ফিদা থাদুনা ফমহল্লে। "অসুক থেংনা লায়রশঙদা লেংবিরকপবু করম্বা অথ্বা পাউ তম্বিগদবা লৈবগে' হাংজরক্লে খমনুনা। খম্বনা "মজাইবেম্মা লেংবিরক্লিব্রা' হায়জবদা 'লাকচরি ইবুঙোতোন' পাউথুমজে। থোইবীগী হরাও মোমোন য়াকা তম্বদু উরগা থম্মোয় পেম্জৈ সেম্নু খমনু অনিম্নু। অসুম্না কৌনরগা মথোয় মরিদো মাঙ্গোন্দা তুমিন তুমিন ফম্নরে রাদি কাংথোক্লবা ওম্মদে। খমনুনা হৌগৎলগা ইংখোলগী অকোয়-বদা চৎতুনা মপু মনাইনা চাবা য়াবা তাউজিং হৈরাং অমুনবা পানবরা থিরি। মরক অসিদা মবেম্মগী পুক্লিং শঙবী সেম্নুনা খংদা ওনশিল্লগা ইবুঙোতোন্দা করিগুম্বা য়ারা অমতং হায়জগে লাকচবনি' হায়রক্লবদা তাকশিন্নু থুমজৈ খম্বনা। 'হয়েং অসি খুদুক খুনথাগী পানা কাংজৈ শান্নগদৌরি। ঐখোয়গী খুদুক পানা নোপপি, কাংজৈ থরা য়াওপিয়ু নেকচবা লাকচরিবনি' হায়রকপা সেম্নুগী য়ারাদু তাবদা ঐদি কাংজৈ হৈজদে, য়াওবা ওমজরোই খুমদোরকপা খম্বগী পাউথুমদু তাবদা থোইবী মমায় ভাঙবমথৈ শাউরে। "য়াউবিদবা য়াদে ইবুঙোতোন ! নোংবানগী লাম্বা লৈতদুনা কাংজৈ শান্নদবা তারক্লবদা থোইবী ঐনা নোংবানগী লাম্বা পীগনি, ওমজ্রগা থোইবী ইশামক য়াওগনি হায়রুংদগী খুদুকী

কাংজৈরোয়শিংনা হরাওহুনা ঐবু কাংজেরেন হাপপ্রবনি। মুপীজা ওইবী ঐহাক্তি ইপাঙ্গল ইথোঁনাসু লৈজদে, হায়জবদা য়াবিরক্তনি থনভহুনা থোঁনা ফনা নৈবাক মীমাওদা তোংথোক্তুনা লাউভরুবনি। মতুংদা য়াওবিদ্রাসু হয়েংগী কাংজে অসিদনি য়াওবিদবা য়াদে” হায়জবক্লে। মজাইবেম্মা থোইবীগী য়ারাহু থৎতুনা “ইচেনা য়াদে, ঐ যাওবা মেজ্জ- রোই’ খুমদোরক্লে অমুকস্নু ইকোম বে’ম্না খন্নবা। “হম্দক্তি নিঙোলবু মুংশিবী মুংশিবিদে চপ চানা খঙভদগে। থে ইবী ঐবু মুংশিবিরগা কাংজে য়াওবিয়ু, মুংশিবিদ্রগা তোকপিয়ু। লাইবকচাওবী ঐদি পোক- মিন্নবা ইচিন ইনা কনাসু লৈজ্নবনিনা শিবমদাইদা মায়োক্নুনা চোংথোক- পিরগদবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কনাসু লৈহদে” হায়দোরকগা মপুক্লিং মুংশিবা মজাইবেম্মগী য়ারাহু ভাবনে, তুবাগী মিংস্না থম্বাল লৈকাদা ঈহৌরকপা ভবং লাইজবু উবনে, থম্ব থম্মোয় শোকপ্রবোই হোয় মাই পাউখুম পীবা ভমদনা মকু লুক্তুনা লৈথি। মপু মনাইহু ৱা মচেং অমত্তা ভাওনদনা তুমিন তুমিন লৈনখিবনা মফমহু উন রাইমুক চিকলে শিংলম্বা মালং মুংশিং ফাওবা লেপখ্রে। মতম অসিদা ৎমমুনা তফিং তফিং চেল্লক্তগা লায়নবী নতাদি করিম্নু হাপনিংঙাই লৈরদে হায়তুনা মমুন ফানা মুল্লবা হৈরাং অনিখক মপু মনাইদা অনমম পীরে। ‘ইতাগী য়ুমদা লাকপদি অতৈ অমগী নত্তে। হয়েং মপল কা ভৈবুংদা থুম্বক খুনথাগী পানা কাংজে শান্নগদৌরি। ইপাগী খুম্বক পানাগী কাংজে- রোয়শিংগী চান থক্লবা ঐনা লাংগদৌরি, অদুদা ইতাম্নু য়াওবিয়ু হায়জগে লাকপনি” হায়রগা থোইবী চৎকদবগী হৌগৎলক্লে। ইতাগী নহুনিংথৌহু হয়েংদি য়ুম শংহনবিয়ু থরাই থোঙ্গাল লানহনবিগন্নু, ইভাদি ভস্তা লাকপিয়ু হায়রম্নগা থোংকাপ কমজাউ হুম্না চৎখিবনা থরাই থোঙ্গাল য়ৌপ্রবদা সেম্নুনা চেলনা চেলনা তাম্নখিবহু উবদা থমম্নু ভকপদা থেংথ্রে। কোয়ৌনা নারল রায়খিহুনা মমশিল্লক্লবা মতমসিদা মজাইবেম্মহু শাউখিবদগী মুমিংতুদি কনাদম্নু লেপপিয়ু হায়খিদ্রে। মনাই সেম্নুগী মাঙ থারগা চেলনা চেলনা লাকপনা ভমপাকয়ুম য়ৌথ্রে। করিগুম্বা

খম্বনা কাংজৈ য়াওহন্নবদি কুমসিস্থু খুনথা পানানা কাংজৈ থোইব্রগনি খল্লুবদা থোইবী তরা চাবা থোয়জংখিদে, থোমলেন শাংনা য়াতাবা য়াখিদে। থোইবীনা হারিবহু নম্থু তাইবং কনানা খঙবি উহিদ্রবস্থু অয়াং কৈনা পাম্থোইবীনদি উবিয়রোই হুরাগী মতেঙ পাংগে হল্লক্রে মবেল্লোগী পায়মা উলগোইহুংদা।

কেগে ইন্নুং ভাল্লবপা মোইরাং শোরা হেল্লকপদা লমগী পোম্বী চেক্লানা শাংগল তুফাং য়েনা কাওরেল মণলুপ লান্না পাইরক্লে। কেগে লৈবাকী নহা পাখং অহল লমন পুন্নমক অয়ুকী শিল্লা লোইরগা তরা চাকওল চন্থুনা য়াংলৌ পাংকী চেকয়া মপাল কাংজৈবুংদা কাংজৈ য়েংবা লাক্লরে। খুন্থকী কাংবুনা মায়কৈ অমদা খুনথাগীনা অতোপ্পা মাযকৈদা মায়োক্লনা ফম্লগ্রে, কাংজৈবুংহু মীয়ান্না ফিভৌ ফৌখ্রে। খুন্থক খুনথাগী কাংজৈবোয়শিংস্থু মখুৎ চাবা কাংজৈ পায়নহুনা থুংলরে। খুমন চন্থু খমনুস্থু মহুনিংথৌবু পুকপেন পাউমেন্নরয়গা তমপাকয়ুম পাংলক্লে। কেগে সোরোক য়াংবীথক কাংজৈ য়েংবা লাকপা মীতনা অতং অথম নাইদরে। কুমসিগী পানা কাংজৈ অসিদি চহী খুদিংদগী হেনগদৌরিবনি হায়বা পাউদিলথোলতনা লৈবাক শীনবা থুংখ্রে। লৈবাকী অকল অথৌ ফম্নাইবা কয়াস্থু কাংজৈবুংদা থুংলরে, লৈমরোল মখৈস্থু য়েনিরক্লে। মজাইবেম্মা পোইবী, মনাই সেনু মতা খমনুগা লোয়ননা লাক্লুনা থুংলরে। নিংথৌ মচিল মনাওদি লেওলক্লরোই পাউ ফংলহুনা মজাইবেম্মগী য়াথং লৌরগা হুমিংয়ুংবা মতুংদা কাংজৈ শাম্নবা হৌরে। খুনথাগী কাংজৈরেলনা নোংবাননি, খুন্থকীনা তারি নামোইজাম্বনি। মখোয় অনিসি অঙোম শাগৈগী মচিল মনাওনি। খুন্থক পানানা অরাং য়ৈখংলি খুনথানা মথা য়ৈথৈ। কাংজৈবুংদা মীয়াম তিনবগী মীনিল অসি মাঙোন্দা ফমহুনা লৈরিবা খন্না তাবদা ফম্বা য়াদহুনা কৈরাক থারগা য়ুমগী য়াংলেন্দা তোংহুনা য়েংবদা কাংজৈবুংদা তিল্লিবা মীয়ামহু উবদা চৎনিংবনা মথুয়াহু মরেং মরেং চৎলক্লে। য়ুমথক্তগী কুমথরগা শগাই কাহুনা য়েংবদা মপা পুরেম্বনা পায়রম্বা কাংজৈ অহু থেংনরে। মহু লৌথরগা ঈশিংদা

শেংনা চামথোক্লুনা ফিনা কংনা তৈথোক্লে। কাংজৈ অহু পায়রগা খম্বনা গুমাংদা হন্জং হন্দা চৎতুনা রাখল তৌরকই। মজাইবেম্মনা হায়রম্বদু খন্নুবদা চৎনিংলবসু মচেম্না চৎকম্ু থিংলম্বনা চৎপা ঙমাদ্রে। অসুম্না নীংজিং মাঙজিংনতুনা তরেৎ তরা থোক্না পায়মা রাখল তৌরগা থোইবীনা শাউবগা মচেম্না চৈবগা কনানা হেন্না ফবগে খন্নব্রে। ইচেনা চৈবদি লাক্লে হায়জরগা ইরাল ঙাকপিগনি। মজাইবেম্মনা শাউগ্রবদি থোইতু নুংনা তেকগ্রগা শম্বা য়াদবগুম থেন্না য়ারোই হায়জবসু তাবিরোই খন্নতুনা মাগী মরাক তাইবা লৈরুম ঙবোংতু ইনশিল্লগা কাংজৈ য়েংবা থোরক্লে। খম্বনা কাংজৈবুং হেক য়ৌবগা পানা অনিগী কাংজৈরোয় শিংনা হত্রে হুন্দুনা কাংজৈ শান্নবা হৌরকলে। তারি নামোইজাম্বগা নোংবানগা লাম্ব পারে, ইকুই কুইদনা খুনখানা পাঙল অমা চল্লে। হন্দক মজাইবেম্মা থোইবীনা লুচিংদুনা কেগে লৈমরোল ময়াম্না কাংজৈ য়েংবসিদা নোংবান্দি শিগনি নাগনি খনখিদ্রে কোংয়াম্বা ময়াই কাথে। শিংনাং তৌজা মরক্তা লমঙক্না চঙতুনা নৈহংপঙুম খুম্বকী কাংজৈরো- শিংদো নোংথাম্না লাক্লবদা খাঙবা য়ারে, কুম্মৈ য়েংলিবা মীয়ামসু য়েংবা ঙম্লক্রে। কাংজৈ য়েংলিবা অহল লমনশিংনা নোংথানগী মতৌংদি হেনমল্লে, মুংঙাইনবা লৈবাক কুম্মৈ ওইনম্বা শান্নবা কাংজৈ নত্রে মা শিনবা তারে লাউনরক্লে। নোংবাম্না লাকচমনখিবনা খুম্বকী কাংজৈরোয়- শিংজা রানা খাঙবতু উবদা মজাইবেম্মা থোইবীদো কুম্মৈ য়েংবা ঙম্লক্রদুনা মীয়ামগী মরক্তা খম্ব লাকপ্রা কোয়না লৈনা য়েংলক্লে। খুম্বক খুনথা পানা অনিগী তাইনবা মীয়ামগী মরক্তা মকোক খুমহিল্লগা রাংথং রাংনা ফমলিবতু থোইবীনা হেক উবদা মনাই সেন্নুদা লোম্না তয়ুম সেন্ন নত্রনে' হংলক্লবদা 'মানি মজাইবেম্মা' খুংজৈ সেন্নুসু! মবুঙোতোন খম্বা উবদা মপু মনাই অমিদো হরাওরে, নৌহৌনা থোনা হাপলবোই অদিবা লৈরক্লে। থোইবীনা মনাই থাতুনা খুম্বকী লৈকায়লাকপা কৌহল্লরে। 'ইপু! ঙসিগী পানা কাংজৈ অসিবু কুম্মৈ মুংঙাইনবা শীনবিবা য়াদবরা' হংলক্লবদা 'মজাইবেম্মা! মোইরাংদা নোংবানগা লাম্না পাবিনবা

লৈত্রে' খুম্মকই লৈকায়লাকপনা 'ইপু! নোংবানগা লাম্বা পাবা য়াবা তমব মুপা অমা ঐ পীরগে, য়ানবদি ইপুনা ঙাঙনবিয়ু' হায়রক্লবদা লৈকায়লাকপত্থু হয়রাওরে, হায়জগে কদায়দা লৈবগে হংলক্লে। 'খুম্বক খুনথাগী মীয়াম অনিগী তাইনফম চরোং হাবুংগী মরক অহাংবদা মতোমদা ফিজ্ঞাউ অমা ইন্দুনা ফমলিবা তমব মুপা অসি উবরা ? মাগা নোংবানগা লাম্বা পারবদি কাংজৈ শান্নবা য়েংবা মুংঙাইগনি কৈবাক কুম্মে ঙই-নগনি' হায়রকপা মজাইবেম্মগী য়ারাত্থু তাবদা লৈকায়লাকপদো খুনা য়াঙন খম্বগী মনাক্তা চংখিদ্ধুনা 'ইবুঙো কাংজৈ অসি য়েংবা মুংঙাইত্রে, অমুক্তা য়াওবিয়ু' হায়রুবে। 'মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা ইয়াম্বশিংগা শান্নবদা মুংঙাইত্রগা করিস্থু লৈত্রবা ঐনা য়াওরগা করিবু হেম্না মুংঙাই-গদগে' খুমদোরক্লে খম্বনা। অম্মুম্না ঙাঙনরিবৈঙদা খুনখানা পাঙ্গল অহুম নমজন চনখ্রে। খুনথা পানাগী কাংজৈ শান্নবা য়েংলিবা নহারোলশিংনা হয়রাওত্থুনা লাউ খোংবা হৌরক্লে। মত্থু উবদা খম্ব মথরায় শোক্না শাউনিংলে। খুম্বক্কী কাংজৈরোয়শিংদো চঙশিন্নবা ফিনরে, মপাঙ্গল হল্লক্লবা তারি নামোইজাম্বমু নোংবানগা লাম্বা পারি মঙাইরে, করিস্থু তৌজবা ঙমদ্রে। 'খুনথানা লাকচম্মনবসিনা কাংজৈ য়েংবা য়াদ্রে, ইবুঙো য়াওবিদবা য়াদে, অমুক্তদি য়াওবিয়ু' হায়না লৈকায়লাকপনা মখুৎজেং পায়দ্ধুনা চিংখংলক্লবদা খম্ব য়াওরগে মপুক্লিংদা খল্লবোই, 'হৈজদে হায়জবনি য়াওববুদি য়াওজগে' হায়দ্ধুনা ফুক হৌগৎলকলে। কাংজৈ শান্নবদা শেংনবা চরৈ খি পীমু হায়রকদবোই নীংদ্ধুনা কৈরিবৈঙদা মানা ইল্লিবা ঙবোং লৈরমত্থু লৌথোক্লকপদদি ফিনুংদা মখি তাখৎত্থুনা কিশি য়েংত্থুনা কাংজৈ পায়দ্ধুনা লৈরম্বা খিবমত্থু উবদা লৈকায়লাকপত্থু ঙরুপদা থেংগ্রবোই 'এঃ' হায়দ্ধুনা হন্দোকই। মাগী মরাক তাইবা লৈরম ঙবোংত্থু লৈকায়লাকপদা শিন্নরম্নগা মথুৎচাবা কাংজৈ অহু পায়রগা মুক্না মুক্নদ্ধুনা কাংজৈমুং তাম্না চঙলক্লে।

অরাং কৌব্রু লোকম্নাইচীং ইম্মুংশোইবা চাক্তাবা মচুম তাম্বা লাঙ্গোই শামুনা লাইথক লৈঙাং তৈরগা মনাতোল কৈনা পুত্থুনা শামান্নবা

য়াওবরা লানমান্নবা লৈবরা শাখেংনবি থোরকউ য়াথিল্লসি চেনগন্ন খেন্না খোংনা শামুনা নোম্না নোম্না চৎপগুম খম্বনা থওই রাওই শাদনা কা জৈং-বুংদা চঙলকপত্থু উবদা কুম্মৈ য়েংলিবা মীয়ামদো ঙরথি। খুম্বক পানাদা কাংজৈ য়াওবা চঙলল্লিবা তমব হুপাসে কনানা নেল্লকপনো মতিক মথৌনা লৈনা উই করম থোক্লগবা ঙাঙংর ব্র। থম্বব উংদা থোইবী সেন্নু মপু মনাইদি হন্নাওহনা নোকচরে, মচেম খমন্নুদি হুংশাথীবনা কম্বা ঙম্মক্রে, মশা তনিক তনিকলে য়াংলেন হুমাং কাংলক্লে। "মাঙঙে মাঙঙে ইহুনিংথৌ! নোংয়াই নঙবু ইচেম্মা যুম শংঙু খরাই থোঙ্গাল লানগন্নু থনম্লগা কেগে লৈবাক মীমাঙদা লাম্বা লৈত্রবা নোংবানগা পাগনি থোয়কলিববু করি মতৌনো লাযরবা। অঙোম নোংবান মাদি কুমজা তবেৎ লমথোইবা মনম লৈপাক শোক্তিরবা চানিংবদা চাহুনা মপাঙ্গল থাক্লবা মথৌনা মরিংজেল রাৎতবা হুপানি। পঙেমগী খোয়াংবু নবুক থম্না থকচবা ফংলক্ত্রবা, কৈরোয় লৈকাইগী ঙনিবা চেংঙনা চাউরক্লবা ঙসি ফাওবা নবুক থম্না চাবা ফংঙদ্রিবা লায়রবা নহাক্না কবম্না নোংবানগা লাম্বা পাগদৌরিবনো? কবিগুম্বা নোংবান্না মরাইবক থীহনা তুবা থোক্লবসু পু পাং ঙবা মনাই মশল রাৎতবা খুংকন পাঙ্গন-বনিনা নোংবান তুবমানে হায়হনা শয়েং পায়হনা হৌগৎপিরনিদো। লমজা নঙনা তুরবদি নঙগীনি হায়বদা পাঙ্গল শোনবী নচেম ঐ নত্তনা কেগেদা কনাসু লৈতে খঙলিবা ইহুনিংথৌ নহাক অসে ওন্থোক্না পঙঙ্গেদকো।" অম্নুম্না খমন্নুনা মচিন থাকপদি য়াদা থম্মোয়ন্নুংদা তেংথারকলে, মিংলু নাপোম অনিদা নীংঙমদবা পিরাং ঈহৌরকলে। খম্ব চঙলকপা উবদা তারি নামোইজাম্বদি হন্নাওরে, নোংবান মাদি মমিৎ কুপ্তবমথৈ য়েংহনা লৈরে। খুম্বক থুনথাগী কাংজৈরোয় ময়ামসু চপ চপ লেপ্তুনা খম্বব শংত্রিক য়েংহনা লৈনরে। নোংবাম্না চঙশিল্লক্তুনা মনাও ইবুঙোগী যণ শেনবা অঙাংহন্না' হায়না উশিংতম্না হংলকপা রাঙাংহু তাবদা 'মানি অহল' খুম্নকই খম্বসু থওই রাওইদনা। 'নহাক করিগী লাকলিবনো হংবদা নঙগা লাম্বা পাবা লাকজিবনি' হায়বা উশিং থওইদবা খম্বগী

প'উখুমহ্ন তাবদা নোংবান খৌতক তৌই। খম্বদা ইনাও ইবুঙোনা, ইয়াম্বগী ইহুৎ শিন্দুনা শাম্নহৌরো. কাংজৈ মুংঙাইহন্নু লৈবাক কুম্মৈ ওইহন্নু হায়রম্নগা তারি নামোইজাখ্বদি কাংজৈবুংদগী মপাল থোকখি।

কোরৌ মৈশা লাংতুনা পথরুম্নবা পাম্বৈনা অনৌবা নোংঙ্গিক ফবদা মাশা তেকখংপগুম মপাঙ্গল মথৌনা ময়েং তারুম্নবা খুম্বক্কী কাংজৈবোম্নশিংদো খম্ব উবদা নৌনা মথৌনা হাপকংলক্লে, খুনখাগী কাংজৈবোম্নশিংবু মমিৎতা থাকপা থুপক্কক্লে। থৌনা ফম্নবা শম্নেল নোংশাগুম্বা নাইতোম চৎপা লমওককুম্বা, মাপা তাম্বা কাওরেল ষণগুম্বা মচুম তাবা য়াঙ্গোই শামু লমশাগুম্বা খম্বগী শঙং শাদা উবদা মুংশা থীরবোই কাংজৈ য়েংলিবা খুনখাগী কাংবুশিংনা কনানা নেকউবা খুংনেক্লো, খুম্বক মচা নম্রবদি কাংজৈ য়াওবা য়ারোই লাউনম্নক্লে। খুম্বক্কী লৈকায়লাকপনা চোংথোরক্তুনা চেংগৈ পাংতা লৈবনি খুম্বক মচানি হায়রক্লবদা য়েংলম্বা কাংবুদো তুমিন তুমিন লৈংখি। তিল্লিবা মীয়াম্না কাংজৈ কুম্মৈ মুঙাইহন্নু লাউনম্নক্লে। হৌবদদি খম্ব নোংবান অনিদো মাগী মাগী পানাগী পল ঙাক্লবদা পাঙ্গল চন্নবা ঙম্নখিদে। মমৈথংদা লাংজৈদা লেপ্পুনা লাম্বা পানরে, হম্রে হুম্লে। মখোয় অনিগী কাংজৈনা হাইজিম্নরক্তুনা কাংচপ্নরবদা কা ক্রম অঙ্ঘ নোংবানগী ওইথংবা নাকন্দা তাম্রে। নোংবাম্না কাংক্রম খুম্দুনা চেম্লে. খম্বনা তাম্নহুনা পাঙ্গল চনকম ময়াদগী কাংক্রম মুল্লগা চেল্লকপদা পাঙ্গল অমা চম্লে। মতু উবদা মীয়াম পুম্নমক হরাঙনহুনা খুবাক খুনরে লাউ থোংনম্নক্লে। খুম্বক্কী কাংবুদো কুম্মৈ য়েংলম্বদগী হরাওমনখিবনা চেম্থোরক্তুনা মশাদা ইল্লিবা ফি লৌথোক্লগা খম্বদা থারে, থোইবীনা মনাই থারক্তুনা পানা খুদপ লাল্লরে। মীপাই চাউবী খমম্নুদি নোকপা চঙদে, মরূ লুক্তুনা চিংঙ থাংজীং লাইবু চেৎনা থাগোল্লজরি। অমুক হম্রে হুম্লে, খম্বনা চোংথৎতুনা কাংক্রম ফারে. পাঙ্গল অমম্নু চম্লে। অম্নুম্না খুনখানা চনখিবা পাঙ্গল মশাংদো মথং মথং শুনা হম্মোকলে। মতম অসিদা চাউবা নোংথোন কংলাদগী দোলায় তোংহুনা কুম্নকলগা কাংজৈ

য়েংলম্মী। অমুক হন্না হুল্লে। হন্দক্তি নোংবান্দো শাউরে, কাংদ্রম তান্নদ্রে খম্ববু ফাগদবগী তান্নরক্লে। খম্বনা কাংদ্রুম পুরগা মথা পাংনা হাইফেৎ চেল্লবগা থৈতুনা অরাং পাংনা পাঞ্জলকম তান্না চেল্লকপদা নোংবান্না শমতুনা তান্নরব্লগা থোইবীগী মমাঙমক্তদা খম্বগী মখ্বাং কোন্দুনা কাবে। নোংবান্না খম্ববু খুদোং পুখৎলে খম্বসু ইযাং যাংনা মঙশম য়ৌনা কায়ে। খম্ব নোংবান অনিগী কুম্মৈদো যেংবদা অহুক য়াম্বা মীয়ামদো ময়: কানরে, থোইবী সেন্নুদি মমিং কুপখিদ্রে। নোংবান্না মৌপাবু খাদবিতুনা লৈবাক মীমাঙদা চোপ্পা তারে খল্লবদা খমন্নুদি মুংশাথীবনা নিংদোল চোংলে যেংজবা ঙমদ্রে। উবাংদা পকপা উফককুম, ইবোইদা নপ্পা তিক্কাগুম খম্বনা নপখিবদা নোংবান্দো লেংবা য়াদ্রে, থাদবসু ঙমদ্রে। নোংবানগী মপাঙ্গল লৌথোক্লবদা মতোমদা নাম্বরকলগা খোংদোম্না লৈপাক হেক্ন কংবগা খুংলৈ থুনা খম্বনা চেপচিং চিংবদা ফিবম চেৎহৌদ্রবোই নোংবান্দো লৈপাক্তা শিৎতুনা তুবদা মীয়াম্না রা লাউনা নোকলে খম্বনা কাংদ্রুম খুল্লগা পাঙ্গলফম তান্না চেল্লকলে। নোংবান্না অনাবা চৈনাখোন খঙদবমথৈ ইকায় ইকায়না হৌগৎলগা তান্নজবতু তান্নবা ফংদ্রে, খুংনা পাঞ্জল চনবা হানদ্রে। খুন্থক্লা খুনথাবু পাঙ্গল অমা চল্লবদা খুন্থক্কী মীয়ামদো হবা ওমনখিবনা কম্নমবদগী হৌগৎ-নরক্লুনা লাউনরক্লে। থোইবী মাস্থু পেনজরবোই ইকায় ইকি রাংমা লান্না 'ইপাগী পানা পামবোমও রাবিগন্নু' লাউবকলে। শরেপ নোংশা মচামা পিক্লা খুমাং শোল্লমদে, তাংজা চিলহা মচানা পীক্লা মহূ চল্লমদে রাযবদো নোংথাই খম্বদা থোকলে। মপা মপুগী মথৌনা চপচানা উৎলে। চহী তরেৎ মমম লৈপাক তারক্রবা নাপল কায়বা নোংবান্দো খম্বগী মথন্তা মায়থীবা কংলবদা লৈবাক মীয়াম পুম্নমক পেগরে। নোংবান্দি লৈবাক মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা অমদি শাউনিংবদা তাংজ মথায় পুবা ঙমদতনা খুমথাগী কাংজৈরোয়শিংবু কৌশিল্লগা লোম্না রা তাম্নবা হৌরকলে। খম্ব নোংবান অনিমা লেপ্তুনা শংত্রিক য়েংময়কপা খুন্থক খুমথাগী কাংজৈরোয়শিংবা মাগী মাগী লামথাগা মায়োক্লহনা হন্নে

হুনবা ঙাইহুনা লৈনরক্লবদা চাউবা নোংথোম্না মনাই মুত্ত্রাম থারক্তুনা কাংক্রুম ফাঙ্ভিহল্লে, খম্ব নোংবান অনিবু মনাক্তা কৌশিল্লে। চাউবনা 'পাম্নি নোংবান কমদৌই' হংলক্লবদা 'ইপল ইবুঙো, কাংজৈদি মাগীনি, মুক্লাদি ঐগীনি' খুম্মকই নোংবাম্না। অহুদি মুক্লা শাম্নরো হায়রকপা চাউবগী য়ারাহু তাবদা কাংজৈ য়েংলম্বা মীয়ামদো লাংনরক্লে মুক্লা য়েংগ-দবগী হৌগংনরক্তুনা পলোন শানা কোয়শিল্লে। মাপা তাম্বা কাওরেল যণগুম্না মচুম তারবা লাঙোই শামুগুম্বা খম্ব নোংবান অনিদো মীয়াংগী মমাঙদা মুক্লা শাম্নরে। শামান লেংমাম্নবা কল্লবা অনিনা শাম্নবা মুক্লানিনা অমনা অমবু পাক হেক লাকচবা ঙম্মদে, লৌ হেনজিনবা য়ানদে। হন্দক্তি নোংবান খুদোং পুখংপা কিরে খম্বগী লৌ ঙাইহুনা লৈখ্রে। খম্বনা খঙহৌদনা খুদোং পুখংপদা নোংবান্দো মশা পুমতাউ তাউরে। কাংজৈদা শাউমনখিবনা মপান্দল শোন্থরবোই খম্বনা ইরায় লাইনা মুক্লা থারে। নোংবান ইকায়খিবদগী হৌগংলক্তুনা 'অমুক্তগা হন্নজখিগে' লাউরকপহু চাউবনা 'পারি নোংবান, খরা ব্লাংলি তমখো' হায়না চঙশিল্লক্তুনা মুক্লা শান্নবা থিংখ্রে। মখোই থিংপা মথৈ শাউরবা নোংবান্দো কাংজৈবুংদগী মপাল থোকখ্রে। নোংবানবু মায়থিবা পীরবদা খুম্থকী মীয়ামদো চেনশিল্লক্তুনা মশা মশাদা ইল্লিবা চরৈ ফিহু লৌথোক্লগা খম্বদা কুপশিল্লে, ফিনা মম্নেপ থুমখ্রে খম্ব মশক উখিদ্রে। মহু উবদা থোইবী থম্মোয় পেম্না নুংঙাইরবোই ইকায় ইকি ব্লাংমা লান্না খমম্নুদা ওনশিন্দুনা 'ইতা কমদৌই' হংলক্লবদা মজাইবেম্মা' ধুমজৈ খমম্নুদো, হরাওনা নোকচৈ য়াকা ঙম্মা ব্লা মথাদি তাখিদে। খমম্নুনা মথরায় তামা হরাওনা নোকপসি মানা হেক পোকপদগী নুমিত্তুনা অহানবনি। থোইবী সেম্নু খমম্নু মখোয় অহুমদো হরাওনা নোকমিম্নহুনা পানা খুদপ লাম্নহুনা চামিম্নখি।

মশক য়েংলে নুংশিবা মতৌ উরে নুংঙনবা নোংয়াই মাবু য়েংলগা "পাম্নি মানবা খুম্থক মচা নঙবু লমলেন কৈদা লৈবনো কোলোয়না করি কৌই, পলেম পম্মৌ কনানা পোকপগে হংলক্লে চাউবা নোংথোম্না।

খম্বনা মথ্-ৎ লোম্লরগা অগুম্বা ননাই লমজা মচানি ইমিংনা লায়রবা কৌই, চেংগৈ পাংত্তা লৈজবনি, পিক্না পলেম পম্হৌ শেংনবনা অপোকপা পলেম পম্হৌগী কোলোয় খগুজদে খ্-ম্লকলে। খম্বগী য়ারাহু তাবদা চাউবগী মপু ক্লংদা চিংনবা পোকসকলে। অমুক উগ্রবা, মমগুবা শক্তম অমনা মমাঙদা চপ চপ লেপ্লগুম তৌবকপা, নিংশিংবস্নু থোক্ত রাখলনা লামবস্নু ফংত্রবদা পায়মা লৌশিং চাউববা চাউবা নোংথোন্দো রাখল লংজিন পুনগ্রবোই খম্ববু শংত্রিক যেংলগা পাবি মানবা নহাবপু নুংশিহুনা হুংবনি পায়মা নুংদা চিংনগনু। নগুবু পোবপা পলেম পম্হৌগী অশেঙবা কোলোয় মিংলেন তাকউ হায়না হংসকলবা ফাঙবদা খম্বদি খগুজদে হায়হুনা চেল্ল। শাউরমদবা চাউবদো শাউরে মোইরাং মচা লমকেং লমহেনবসি মাগী অশেঙবা পারি পুরি তাক্লিবা ঙাওবা লিচৈনা মনজন্দা চৈশিং খগুদনা কাবন লাক্ত্-না ফ্- হায়না মনাই মুক্তামদা থৌদাবক্লে। অগুম্বগী য়াথং ফংলবদা চাউবগী মনাই মুত্রাম্না চিচৈনা খম্ববু, ফ্-গদবগী শেম শারকলবদা মীপাইচাউবী খমহুদো য়েংহুনা লৈবা গুম্লক্লে। "মোইরাং মচা ইদুনিংথৌ মানবা নগুবু, অগুম্বগী চিচৈনা মমজন্দা কাবন লাক্ত্-না নপাউ হংদ্রিদৈদা নগুনা খগুত্রবদি খগুত্রে, করিগুমবা খগুলবদি পায়ম নুংদা চিংনদনা নগুবু পোকপা পলেম পম্হৌগী অশেংবা কোলোয় মিংলেন্দু তাকউগবা" হায়রকপা মচেমগী য়াথং ফংলবদা খম্ব মথৌনা ফ্-দোববলে। "কেগৈ ফম্নাইবা মোইরাং অগুম্বা ননাই লমজাবু পোকপা পম্হৌগী মিংলেন্দি নোংম্নাই চাখা গুম্বা, খ্-মন পুরেমবা কৌই। পলেমগী কোলোয়না ঙাংখলৈমা য়ুরেনতোমপোকপী, ফোইদিং লম্মিংচুমবী কৌই। লমজাবু পলেম শরু৷ য়োকপী থাবপিরিবী ইচেমগী মিংনা খমনু কৌই' লমজা ঐগী মিংলেন্না খম্ব কৌই" হায়রকলে। অস্নুম্না অপনবা লৈতনা হায়দোবকপা খম্বগী য়ারাহু তাবদা শাউরম্বা চাউবদো খম্ববু মম্নিং ফুগুনা য়েংবা গুম্লক্লবোই অগুম্বগী মিংনু নাপোম অমিদো চীংজুম লাইজ ঈকু্থোক খিঙেল লাইজ ঈনমগ্নাইগুম খিংগুমদবা পিরাংনা ঈহৌরক্ত্-না ইঙা লোংলেন নোংনা

খোংনা লাউনা চুবগুম অঙণ্না মখোল থোক্লা কপলক্লে। চাউবনা চঙশিল্লক্লুনা মমাক খম্ববু চেৎনা কোল্লগা, মাকলোবেন নোংয়াই খম্ব! মতম অম্থক কুইবসি লমংলেন কৈদা লৈরুবগে? কেগে কনাগী মরুম থুপ্পুনা মোইবাং কনানা থাক্লুনা নপাঙ্গল শারেপ ফাবগে? লাংবন কৌথা তোনানবী শাবন্দা হৌবী হুইক্রুগুম মুরা তোমশাংনরবী নচেম খমন্থনা কদায়দা লৈবগে' হংলক্লে। চাউবগী য়ারাতু তাবদা খমন্থ চেনশিল্লক্লুনা চাউববু থুকমক্তে। লৈবাক্কী ফম্নাইব। ওইরুবনা নচিল নোপাবু কাউকবে শামুনা ঙাইখঙদে নিংথৌনা ঙাইথিদে হায়নবদো ইকুদা থোক্লে। কোবৌ নোঙ্গানগ্রবা পাথৌ ইংঙো পুরেম্বা, ইচল ঙাংখলৈমা নখোয় অনিনা ঐবু পাযমা পুকংলৌ পাবৌননা শাউররি- নিদকো। কোবৌ নোংমদোল থক্কুগী লৈচিন পোমায় হাংদোল্লগা শামা পাঙ্গল চাউরবা কাংদোং শারেপ ফাববা নপাবি নমোম অনিবু নম্বিৎ পেন্না য়েংজবো হায়না কপলকপা চাউবগী থম্মোয় শোকপা মীকপখোলত্থ তাবদা তিল্লিবা মীয়াম পূম্নমক্তু ঙাহাক তুমিন তুমিন লৈনকরগা পুবেম্বগী মতানি ঙাংখলৈমনা পোকপনি ঙাংলৌ পাংতা পোম্বনি চেংগৈ পাংতা শাৎপনি খম্ব খমন্থ মচিল মোপানি হায়না নীন্নবক্লে। মখোয়বু পোকপা পলেম পম্থৌগী থল্লুবদা মচিল মৌপাবু মুংশিনা শোন্নরক্লে, উবদা কপ্পবম্থ য়াওনরক্লে। থোইবী মাম্থ হরাওরে নীংজবা মাপা চুম্নে থল্লুবদা থম্মোয় পেন্না মুংঙাইজবে। ফৈবোইজাম্বনা চঙলক্লুনা মশেল খম্ববু কোল্লগা, 'শেলোবেল ইবাই লৈরে রাকংম্থ' হায়রাক্ল। ফৈরোই- জাম্বনি খঙবদা খমন্থ ইকায়ত্থনা লৈথোকচৈ। খম্বনা মপা শন্নবা চাউবা মযাম্বা শকলবা ফৈবোইজাম্বা অম্বিদা পু পাং শুনা নাউয়োক নাউফোন্দবা লমজানি খনখিত্থনা অয়োন অরান খিখিক ঙাকপিয়ু থুকমজখি। "হৌজিক্তি ইকু লৈরে পম্থৌ লৈতে রাকরম্থ, পলেম উদে মুংসাংরুরম্থ, নহাক্কী তুথুম নাম্না শোকলগদবা কেগে মোইরাং লৈবাক্লা কনাগীম্থ মক্তিক লৈতে। ইমৌ ইবেম্মা খমন্থ নম্থনিংথৌগী চামবা তরা চাক থোংলুরো, মুক্লা কাংজে শান্নরুবগী রারিনি ইমাক্তি।

ইকুদি মাকলৌরেন মাবু পুবগা মপুগী নাক্তা চৎলুখিগে' হায়না চাউবা নোংথোম্না খম্ববু পুখি। মতু উবদা লৈবাক মীয়াম হরাওনরে, থোইবী সেম্নু মপু মনাইস্নু মথরায় মুংঙাইনা রারী শাহুনা তম্প্যাকযুংদা হনখি। ফৈরোইজাম্বনা থমম্নু পুরগা লায়রশঙ পাংখি।

চাউবা খবমকু মমাক অনিনা মপুগী নাক্তা তুখ মাঙথ চৎংক-পতু উবদা নিংথৌনা ঙক্কুনা অঙম্বা কংলা বুমশিংদ মঙাইরি ভম্না অমুক হন্নকপদি হায়নিংবা করি লৈবগে হংবিরম্বদ চাউবনা মমাক খম্ববু তুংওইননা থম্নগা মপু খুয়া থাদা কোংম্নাং রপুম তাবগুম খুরুমলগা হঙৎলকই। "ঐবু লোইবা লৈমাবা ননাইবু লোইবা ইনি থৌ ঙাঙোই লৈবাক মপুরেগ! ঙসি ননাই চাউবনা কেগে বংলাদগী কুমথিবদা মপাল কাংজেবুংদা সনাগী লিক্লাং পবেং অমা তাহুনা লৈরম্মী। ননাইনা খুল্লগা মপু খুয়া থাদা কচ্চগে থন্দুনা পুজরকলি ইনিংথৌ"। অঙম্বা কনাগী ঙকশমদা শিবা লিক্লাংনো মপুনা হংলকলবদা লিক্লাং য়েংবিরগা মপু রাখল তৌবিয়ু হায়না মমাক খম্ববু পুশিন্দুনা খুরুমহল্লে। নিংথৌনা খম্ববু চিংনা য়েংলগা মশক থঙবা ঙমখিদে। মমথবা কনাগুমবা মনাই অচানবা অমগী শক্তমবু নীংশিংবস্নু রাখল লাংা যংত্রে। পালেম পম্থৌ কনাগী মপারিনো লমদম কৈদা লৈবনো কোলোয় মমিংনা করি কৌবগে হংবিরকলে মপু মানা মুংশিবিহুনা। চাউবা নোংথোম্না চরৈ ঙক্তা য়েংতুনা খুউ লৈদা তাহুনা মিংলু নাপোম অনিদা চিগী ঈরা হৌনা মপু খুয়া থাদা হঙৎলকলে। "কেগে নিংথৌ ইনিংথৌ! অদুমৈঙে বুংঙা কয়াগী মমাঙদা লমজেন তোরবুং লমজাউদা পামব কৈ ঙাওহুনা লৈবাক নিংথৌগী অরাবা তারকলবদা মথরায় খুবাক্তা হাপ্লুনা পামব কৈরেল মাপল ফাহুনা নিংথৌগী থরায় কনখিবা কেগে লৈবাকী অরাবা কোকহনখিবা মপুগী য়েংথাং থৌগলম্বা মোইরাং তাংবনলোই ফমথোল কাবা নদাইরেম নোংয়াই চাথাঙম্বা খুমন পুরেন অহোংবা কেগে ঙাই-থোমবা মোইরাং পুরেম্ববু নীংশিংবিদ্রবরনে ইনিংথৌ! পাথৌ মানা থমবিরমবা কৌদি চারা ইচল ঙাংখলৈমা য়ুরেন তোমপোকপী যোইচিং

লম্মিৎচুম্বীগী মপাম্নি নোংয়াই খম্বনি। নিংথম চংবী হৈকনবী পিকনা উনলেন নংলবী, লাংবন কৌথা তোনানবী, শাবন্দা হৌবী হুইদ্রোগুম মুরা তোমশাৎনরবী খোংগী সনা পোঞ্জেনবী মচেম খমনু লায়রবীনা কৈবোই লৈকায়গী অনিবা চেংতনা য়োম্লকপনা পাখং শরেপ ফারকপা লমজানি ইনিংথৌ।" চাউবগী য়ারাহু তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌগী পায়মা উলগোইমুং নীংঙমদবা মৈশা লাংলবোই গিংম্না থংাল লৈকাদা থিংঙমদবা পিরাং ঈহৌরক্লে। মনাই খম্ববু খুজেং পায়হুনা চিংশিল্লগা চেৎনা কোনবিরে। "ইদাইরেম পুরেম্বগী যৌগি চ'রা মুংগবোই থক্লবদি মুংলমদ্রে মুংঙাইরে। নপা হাক্তক্লা নিংথৌ ঐনা ইনীং থুংনা শেমবা ঙমখিদে নহাকখক্লা ঐনা ঙমবা শেমগে রাকরনু। তয়ুম খম্ব। হয়েংদগী নকু চাউবগী মতুং ইন্দুনা কংলা কাবা লেপকনু" তাকপিরকলে মপু মানা। 'চহী তরেৎ লমথোইহুনা লাকলবা খুনথা পানাবু নমথহুনা অঙোম নোংবানবু মায়থীবা পীরগা মনাও ইবুঙো রাজোন নিংথৌগী খুম্বক পানাদা নোংয়াই খম্ব য়াওবদগী কুমসিদি কাংজৈ থোইরে। চহী তরেৎ মনম লৈপাক তারক্রবা নোংবান্দো মুক্লাদা তুংখ্রে' হন্দৎলকপা চাউবগী য়ারাহু তাবদা মপু মাদি পুংপেন পেনবিরে। অহুনি তয়ুম অচানবা পাগী পারেপ য়োঙরো পুগী পুরেপ ফংজরো তাকপিরে। মপুগী থৌজালবু ফংলবদা মকু মমাক অনিদো নিংথৌ খুরুমলগা হরাওনা ময়ুম ময়ুমদা হল্লকই।

চাউবনা ময়ুম হেক য়োবগা নোংথোনবী কৌথোক্লুনা কোয়ৌ নোঙ্গানথ্রবা য়ামজেম মৈরা মংথ্রবা পাথৌ পুরেমবা ইচল ঙাংখলৈমা অনিনা থনমবা মপারি খম্ব মমেম লাংলেন খমনু মচিল যৌপা অনিহু ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা থেংনহুনা খম্ববু নিংথৌগী নাক্লা পুরগা খুয়া থাদা কৎপদা মপুনস্থু থৌজানবিরে হায়না পাউ তমলে। মবুঙোগী পাউহু তাবদা নোংথোনবী মাস্থু থম্মোয় পেম্না মুংঙাইখি। খম্বনা লায়রশঙ হেক য়োবগা মচেম খমহু চঙশিল্লক্লুনা মোইরাং নিংথৌনা কয়ি কয়ি তাকশিরকপগে হংবদা পলেম পম্বোগী কোলোয় মিংলেন তাবদা নৌপাবু

ইকুদি মাকলৌরেন মাবু পুরগা মপুগী নাক্তা চৎলুখিগে' হায়না চাউবা নোংথোম্না খম্ববু পুখি। মহু উবনা লৈবাক মীয়াম হরাওনরে, থোইবী সেম্বু মপু মনাইসু মথরায় মুংঙাইনা রাগ্নী শাহুন, তম্প্যাকয়ুংদা হনখি। ফৈরোইজাম্বনা খমম্বু পুরগা লায়রশঙ পাংখি।

চাউবা খম্বকু মমাক অনিনা মপুগী নাক্তা থৎনা মাওথ চৎকপহু উবদা নিংথৌনা ওত্তুনা অংল্লা বংলা হৃদয়দা মঙাইরি ওম্না অমুক হন্নকপদি হায়নিংবা করি লৈবগে হংবিরকপদা চাউবনা মমাক খম্ববু তুংওইননা থম্লগা মপু খুয়া খাদা কোংম্নাং রপুন তাংত্তুম খুরুমলগা হঙ্গৎলকই। "ঐবু লোইবা লৈবাবা ননাইবু লোইব, ইনিংথৌ ঙাওোই লৈবাক মপুরেস! ঙসি ননাই চাউবনা কেগে বংলাদগী কুমখিবদা মপাল কাংজৈবুংদা সনাগী লিক্লাং পরেং অমা তাহুনা লৈরম্মী। ননাইনা খুল্লগা মপু খুয়া খাদা কচ্চাগে খন্দুনা পুজরকলি ইনিংথৌ"। অঙম্বা কনাগী ঙকশমদা শিবা লিক্লাংনো মপুনা হংজকলবদা হিন্না' য়েংবিরগা মপু রাখল তৌবিয়ু হায়না মমাক খম্ববু পুশিন্দুনা খুরুমহল্লে। নিংথৌনা খম্ববু চিংনা য়েংলগা মশক খঙবা ঙমখিদে। মমথবা বনাওমথা মনাই অচানবা অমগী শক্তমবু নীংশিংবসু রাখল লাংনা যংদ্রে। পলেম পম্থৌ কনাগী মপারিনো লমদম কৈদা লৈবনো কোলোয় মমিংনা করি কৌবগে হংবিরকলে মপু মানা মুংশিবিহুনা। চাউবা নোংথোম্না চরৈ ঙক্তা য়েংতুনা খুউ লৈদা তাহুনা মিৎলু নাপোম অনিদা মিগী উরা হৌনা মপু খুয়া খাদা হঙ্গৎলকলে। "কেগে নিংথৌ ইনিংথৌ! অদুদৈ কুমঙা কয়াগী মমাঙদা লমজেন তোরবুং লমজাউদা পামব কৈ ঙাওহুনা লৈবাক নিংথৌগী অরাবা তারকলবদা মথরায় খুনাক্তা হাগ্দুনা পামব কৈরেল মাপল ফাহুনা নিংথৌগী থরায় কনখিবা কেগে লৈবাক্কী অরাবা কোকহনখিবা মপুগী য়েংথাং থৌগল্লম্বা মোইরাং তাংবনলোই ফমথোল কাবা নদাইরেম নোংয়াই চাখাওম্বা খুমন পুরেন অহোংবা কেগে ঙাইথোমবা মোইরাং পুরেম্ববু নীংশিংবিদ্রবরনে ইনিংথৌ! পাথৌ মানা থমবিরমবা ফৌদি চারা ইচল ঙাংখলৈমা য়ুরেন তোমপোকপী ফোইদিং

লম্মিংচুম্বীগী মপারি নোংয়াই খম্বনি। নিংথম চংবী হৈকনবী পিকনা উনলেন নংলবী, লাংবন কৌথা তোনানবী, শাবন্দা হৌবী হুইদ্রেগুম মুরা তোমশাংনরবী খোংগী সনা পোঙ্কেনবী মচেম খমনু লায়রবীনা কৈবোই লৈকায়গী অনিবা চেংকনা য়োল্লকপনা পাখং শরেপ ফারকপা লমজানি ইনিংথৌ।" চাউবগী য়ারাতু তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌগী পায়মা উলগোইনুং নীংঙমদবা মৈশা লাংলবোই গিংস্না থংাল লৈকাদা থিংঙমদবা গিরাং ঈহৌরক্লে। মনাই খম্ববু থুডেং পায়দুনা চিংশিল্লগা চেংনা কোনবিরে। "ইদাইরেম পুরেন্দগী যৌটি চংলা মুংওবোই হুংবদি মুংলমদ্রে মুংঙাইরে। নপা হাক্তক্তা নিংথৌ ঐনা ইনীং থুংনা শেমবা ঙমথিদে নহাকথক্তা ঐনা ঙমবা শেমগে রাকরনু। তয়ুম খম্ব। হয়েংদগী নকু চাউবগী মতুং ইন্দুনা কংলা কাবা লেপকনু" তাকপিরকলে মপু মানা। 'চহী তরেৎ লমথোইদুনা লাকলবা খুনখা পানাবু নমথদুনা অঙোম নোংবানবু মায়থীবা পীরগা মনাও ইবুঙো রাঙ্গোন নিংথৌগী খুম্বক পানাদা নোংয়াই খম্ব য়াওবদগী কুমসিদি কাংজৈ থোইরে। চহী তরেৎ মনম লৈপাক তারক্রবা নোংবাম্পো মুক্লাদা তুংগ্রে' হঙ্গৎলকপা চাউবগী য়ারাতু তাবদা মপু মাদি পুংপেন পেনবিরে। অদুনি তয়ুম অচানবা পাগী পারেপ য়েংভরো পুগী পুরেপ ফংভরো তাকপিরে। মপুগী থৌজালবু ফংলবদা মকু মমাক অনিদো নিংথৌ খুরুমলগা হরাওনা ময়ুম ময়ুমদা হল্লকই।

চাউবনা ময়ুম হেক য়ৌবগা নোংথোনবী কৌথোক্লনা কোয়ৌ নোঙ্গানগ্রবা য়ামজেম মৈরা মংগ্রংগা পাথৌ পুরেমবা ইচল ঙাংখলৈমা অনিনা থনমবা মপারি খম্ব মমেম লাংলেন খমনু মচিল গৌপা অনিদু ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা থেংনদুনা খম্ববু নিংথৌগী নাক্তা পুরগা থুয়া থাদা কৎপদা মপুনসু থৌজানবিরে হায়না পাউ তমলে। মবুঙোগী পাউদু তাবদা নোংথোনবী মাসু থম্মোয় পেন্না সুংগ্রাইথি। খম্বনা লায়রশঙ হেক য়ৌবগা মচেম খমদু চঙশিল্লক্লনা মোইরাং নিংথৌনা করি করি তাকশিরকপগে হংবদা পলেম পম্বোগী কোলোয় মিংলেন তাবদা নৌপাবু

লুনা চান্না তৌহিরকই। পাগী পারেপ ফংজরো পুগী পুরেপ য়োজরো হায়নস্থু মপু মানা থৌজানবিরকই। হয়েংদগী ইকু চাউবা নোংথোনগী মতুং ইন্দুনা কংলা কাবা লেপকস্থু তাকপিরবই। মৌপাগী য়ারাদু তাদদা থমস্থু মথরায় পেন্না স্থুংঙাইজরে। পলেম পান্থৌগী চংলৌ শক্তম মান্নবা স্থুংশিরবা মৌপাগী মায়থোংবু চিংনা য়েংজরুবগী স্থুরাগী মিংলু নাপোমদা খঙহৌদনা পিনা থমহৎলক্লে। রানা য়োংবকপা মৌপাগী মপাল তাংদুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা শামান লেংমা লৈশিংগী মীক তিন্দুনা স্থুংঙাইনা পানবা ঙমজরগনি খমস্থুগী মপুক্লিংদা খনবদু থাজবা পোক্লে। পাউ অসি তাবদা থোংলেন মশাহক লাক্তুনা মপারি ংমোম অনিবু মরানয়াইদা পুরগা তরা মথেল লুকোই লাঙদুনা চান্নিরে। মচিল মৌপানস্থু মপা শক্লবা থোংলেনবু লুনা কিনা তৌজখি। নোংয়াই পুরেন্বগী মপারি খনবা খুহকী কাংজেরেল ওইদুনা চহী তরেৎ লমথোক-তুনা লাক্লবা খুনথা পানাবু নমথরগা কাংজে থোইবদা নত্তনা মোংবানবু মুক্লাদা মায়নীবা পীবগী পাউ তাবদা মনাও ইবুঙো চিংখুংহা তেলহৈবদো থম্মোয় পেন্না স্থুংঙাইজরে।

তাশুবা মতাং
লৈ হেকপা

মমাক খম্বু পাগী পারেপ ফংনবা পুগী পুরেপ য়ৌনবা কেগেদা মকম নাইহনগে লৈবাক্তা শকখঙ মায়খঙনহল্লগে পায়মা স্থুংদা খল্লদুনা নোংমা কেগে কংলা তোংয়াইদা অঙম অথৌ ফয়াইবা শুনা তিল্লক্লবা মতমদা চাউবা নোংথোন্না চঙলক্লগা, খুউ লৈদা তাদুনা নিংথৌ খুরুমজে। "কেগে নিংথৌ পুক্লিংলাই, ঙাঙোই লৈবাক মপুরেল, মপুগী থুয়া থাদা ননাই চাউবা নোংথোন্না ইয়া নাপি চিক খুউ লৈদা তা খুবাং চাংজৌ তরা ইহু কাইনা লিশিংন, চাংজৌ পেন্না খুরুমজরি। কেগে লৈবাক লৈচাউনবা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনবা লৈবাক নিংথৌ মরা তপ্না পান্নবা কুমশি কুমজাগী চিংউ থাংজীং হরাওবা মতম ওইরক্লে" হঙ্গংলক্লে। "চুম্মী অঙম্বা! নুমিং অচংবা থাবান অফবা য়েংলগা লৈবাকী স্থুংঙাই

য়াইফনবগীদমক্তা হরাওগদবনি। কুমসিদি কুমজল থাজল্লগা নোংমদা লোয়নবা হরাওসি" মপু য়াথং তাকপিরে। মতুনা চুমগনি ইনিংথৌ! কালেন থাগী হুমনি পানবা নিংথৌকাবা মুমিৎ অসি য়াম্না ফৈ হায়না লৈপাক্কী অমাইবা অমাইবীনা তাকপিরে। অদুনা হয়েংদগী লোইবী চীংদা কাদুনা লৈরাং হেকহন্দবা য়াদ্রে। কুমজা খুদিংগীদি নিংথৌগী খুনথা পানানা লমথোইদুনা লাকপসি চহী তরেৎ শুরে। কুমসি কুমডাগী হরাওবসিদি মনাও ইবুঙোগী খুন্থক পানা অসি লোপহনবা য়াদে, খুনথাগা মান্ননবা ময়াম চঙদুনা শোগ্ননবা তাই। হান্নগী লৈরোই মকোক ওইরিবা অহোম ঐথোংগী শাগৈ তারি নামোইডাহসে অহল ওইমল্লে। মানা পানা মকোক ওইবদগী নোংবান্না খুন্থকপু নমথদুনা থম্বা ঙমবনি। কুমসিদি নিংথৌগী পানাগা লান্না চাবা মতিক মথৌনা লৈবা নতা ওইবা খুন্থক মচা অমা থল্লগা লৈরোইহঙবা হাপসি হায়বদু মনাও ইবুঙো রাঙ্গোন নিংথৌগী মপু পায়মা উলগোইহনুংদা করি খনবিবগে, কেগে মচা কনাগুম্বা হাপ্লিনিংবা লৈবগে" হঙ্ংলক্লে চাউবনা। ঐনা হাপনিংবা কনাসু লৈতে। নোংবানগা লান্না চাবা শামান লেংমান্নবা য়েংলগা কুম্মৈ মুংঙাইনবা অঙম্বশিংনা অতুম শীনন্যুি খুমদোরক্লে মনাও ইবুঙোসু। মনাও ইবুঙোগী মপুক্কিং খঙলবদা লৌশিং শিংবা চাউবা নোংথোন্না মপু খুয়া খাদা চংশিন্দুনা 'ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ! খুনথাগী লৈরোইহঙবসু ননাই নোংবান ইচানা ওইরি। হৌজিক হৌজিকমক কেগে মোইরাং লৈবাক্তা শামান লেংমান্নবা মানবি পাবোৎ যগুম্বা নোংবানগা লান্না পাবা মতিক মাপা চাবদি নোংয়াই খম্বনি' হঙ্ংলক্লে। চাউবগী য়ারাহু তাবদা মপু মাসু পেনবিরবোই নতাও পুরেম্বহু করি ফমদগী হান্না হৌখিবগে হংলক্লে। 'মপা ইতাও পুরেম্বসু লৈরোই ফম্না ফমদম্নি। পারি পুরি য়েংলুরবসু নোংয়াই খম্বব খুন্থকী লৈরোইহঙবা হাপ্পদা করিসু অকায়বা লৈক্তে হঙ্ংলকপা চাউবগী য়ারাহুদা অঙম অথৌ ময়াম্নসু রাপাংদুনা মতুনা চুমগনি হায়নরক্লে। অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংগী য়ারাহু তারগা লৌশিং শিংবা নিংথৌনা

ঐনা পাম্বা ফমম্লু মতুমক্কি তাকপিরক্লে। মুমিৎ অতুমক্তদা নোংমাই খম্ববু কেগে লৈবাক মীমাঙদা খুন্থক্কী লৈরোইহঞ্জবা হাপলে। চাউবগী খুজিল থৌরাংদগী খম্ব নোংবান অনিহু মতাও শাম্নহল্লে. মুংশিননা লোংগোম্নহল্লে। ঙসিদগী হুমনি শুবা নিংথৌবাবা মুমিৎতা চিংঙু থাজীং হরাওগনি। পাক্কি নোংবান ইমান খম্ব নখোয় অনিনা হয়েং ইমুং ভানবদগী তরা চাকঙল চারগা লোইবী চীংদা কাহুনা শিঙেল লৈরাং হেকলুরো থৌদারক্লে। খম্ব নোংবান অনিম্লু হয়েং অযুক য়েন্দা অঙনবদা তরা চাকঙল চারগা হুয়ানপুংদা উম্নসি অহান অহানবা ভাইনসি লেপ্পরগা ময়ুম ময়ুমদা হংখি। খম্বন ময়ুম হেক য়োবদা মচেম্না ঙসি কংলা কারুবদি করি পাউ লৈবগে হল্লব "ইচেমচল! ঙসিদগী হুমনি শুবা মুমিত্তা চিংঙু থাংজীং হরাওগনি, মহুগীদমক্তা হান্নগী লৈরোইহঞ্জবা ইয়াম্বা তাক্কি নামোইজাম্ববু লৌথোক্লগা নহুনিংথৌবু খুন্থক্কী লৈরোইহঞ্জবা হাপ্পিরে। হয়েং অযুক অঙনবদা তরা চাকঙল চারগা লোইবী চীংদা কাহুনা শিঙেল লৈরাং হেকলুবা তাক্কি" হায়রকপা মতুনিংথৌগী য়ারাহু তাবদা খমম্বু মথরায় নুংঙাইজে।

রাঙ্গোন নিংথৌ চীংখু নহা ঙেলহৈবনা কংলাদগী কুম্নরগা মগোম লাংলেন থোইবী কৌথোতুনা 'ইপাগী লাংলেন ইবেম্মা, ঙসিদগী হুমনিশুবা নিংথৌবাবা মুমিত্তা ইদুথৌ থাংজীং হরাওবা নংনবা হান্নগী লৈরোইহঞ্জবা লৌথোক্লগা নোংমাই খম্ববু ইপাগী লৈরোইহঞ্জবা হাপ্পে। নোংবানগা লাম্বা পাবদা মতিক মাপা চারবা শামান লেংমান্নবনি' হায়রকপা মপাগী য়ারাহু তাবদা থোইবী মাম্লু মপুক্কিং পেম্না হরাওজে। মনাই সেম্নুগা লোম্না রা তাম্নহুনা মবুঙোতোম্না লোইবী চীংদা কাহুনা শিঙেল লৈরাং হেকপা চৎপদা পুনবা তরা চয়োম য়োনদবা য়াদে খম্নরহুনা লোম্না তরা মথেল লুকোই থোংনবা থৌরাংলে। নোংবানগা খম্বনা তরা চাকঙল চাহুনা চৎকদবনী শেম শাহুনা লৈরিঙৈদা মজা-ইবেম্মা থোইবীনা মনাই সেম্নুগা লাক্লগা অহীং চুপপা হিপল্পবমখৈ লোম্না থোং থাক্তুনা লাংজরিবা তরা চয়োম অহু খম্বদা শিম্নরে। লাইখী

লৈ হেকপদা থরায় য়াওনা হেকপিল্লু। শিঙেন আহেনবা লৈরাং নীংথিববু খল্লগা হেকপিরকউ হায়রম্লগা মপু মনাই হনখি। অয়ুক অঙনবদা নোংবানম্তু তালোয় মঙানা তরা মথেল লাঙতনা থোংবা তরা চয়োম পুথুনা লৈ হেকপা থোরক্লে। হায়নখিবা মতুং ইন্না নোংবান্না হুয়ান-পুংদা মতাও খম্ব ঙাইথুনা লৈরে। খম্বম্তু মচেন খুরুম্লগা মজাইবেম্মনা য়োমলকপা তরা চয়োমথু পুরগা লাকপদা নোংবানগা থেংনরে। কাংজৈদা নু ঙাইথিদবা মুক্লাদ য়ারৌখিবা নোংবন্দে খম্বম্বব কাউবা লৈখিদে। মতম চাবদা লমন শিংগে খন্দুনা নৈরকপথু ঙসি লোইবী চীংদা কাথুনা লৈ হেকপা চংপদা মাগী চয়োমথু পুহনগে থল্লক্লে। 'ইতাও ইবুঙো! মমাংবৈঙদগী ইপা ইপুশিংনা চংনরকপা পথাপ পাথাং পুথাং পুনরকপগী মতুংইন্ন' খুনথা পানাগী পোৎয়োম খুন্থক্লা পুনৈ। খুনথানা ময়ামবুং নিংথৌগী পানানি, খুন্থক্লা মনাও ইবুঙো মথংখংগী পানানি। ময়াম্বগী পোৎ মনাওনা পুবসি লাই হাক্তক্তগী চংনরক্লবনি, নখোয় ঐখোয়গী ইহাকথক অসিদা শেমলোকপা য়াবা নক্তে। অথুনা খুনথা ঐগী তরা চয়োম অসি ইতাওনা পূবা তারে' হায়রকপা মোংবানগী য়ারাথু তাবদা খম্ব য়ানিংদে। নঙম্তু ঐম্তু পানা অমমমগী মকোক্লি। অময়োমদা খল্লুরগা খুন্থক ঐনা য়েংনি, খুনথা নঙনা ওইনি। নমু তাইবং মী ঐখোয়গী চংনয়োলম্তু য়েৎনা হুপানি, ওইনা হুপীনি। হুপী নঙগী চয়োমবু হুপা ঐনা করিগী পূজরুনি। নঙগী চয়োম্না নঙ পুজো ঐগী চয়োম্না ঐ পুজগে' হায়রম্লগা খত্র শাউথুনা নোংবানগী মাঙ থাথুনা চংখৎলক্লে। ইকায়বা থঙদবা মী উশিংতবা নোংবাননি। মমাঙ থাথুনা চংলিবা খম্বগী চয়োম য়াল্লিবা চৈগী মতোন্দা মাগী চয়োম অথু য়ানশিল্লুরে। খম্বনা শাউথুনা চৈয়োম য়ানবা চৈ অথু হাইবদা নোংবানগী চয়োমথু লৈপাক্তা তাথুনা কায়রে। নোংবান্না চয়োম অথু নীংথিনা শেমজিন্দুনা খুনগৎলগা ইতাও নঙসিমা শাওমল্লি মজমন্দে পুরোই খল্লবম্তু মজনা ঐঙোন্দা পীবা য়াইনা; লৈপাক্তা হেক্তা হুম্বসি মরুপ মান্দে হায়রক্লবদা খম্বনা ইতাও য়ারৌবিগম্ন থুমজে।

খম্ব নোংবান অনিনা মৈকাপী লাল্লগা লাইগা লম্বেল লাত্তুনা লাইথেন যোৱগা তুরেল-লু লাল্লে। থাংজীং চীংজাও কান্নুনা খা পাংনা চংলগা শ বৈরেলোক যোবে। মরিংগী পামদৌ যেৎ দা কোংয়াংলৈ, হাওবৈ, মুংগাবৈনচিংবা লৈয়াম শাংপদু উবদা খম্বনা হম্বাক্নে চঙশিন্দুনা লৈ হেক্কে ভৌবক্লবদা নোংবান্না খামলে। 'ইতাও। মসি ঐবু পাকপা ইপানা শেম্লম্বা লৈকোলনি, অঙোম ঐখোয়গী লৈ ঋমনি খুনখানা চহী কুনজা খুদিংগী হেকলিবা লৈ-ফমনি। কুমসিদি লৈ ঞু ইশা মাতে হাকুম্না হেল্লি' হায়রক্লে। ইতাওগী লৈ-ফম অসিদগী এৱ লৈ খন্না হেকচগে। ফজবা লৈরাং মখৈ ইতাওগী ওইবিয়ু যজদনা লৈ। ঐগা ওইগে। ঐদি কুমসিদা লৈ হেকপা লাকপনিনা লৈ নাৎযন খঙজদে হায়জরকই খম্বনা। অঙোমগী লৈ ফমদি লৈম নিংথৌনা মংৱ খঙবা লৈকোনান। হয়ে' লৈ লাংবদা লৈরাং লেশক মান্নে হায়রক্নি হায়-শিন্নদুনা নোংবান্না খম্বনু লৈ হেকহন্দে। ইতাও ইদুঙে খম্বগী লৈ-ফমদি কদায়দা লৈবগে হংলক্লবদা পায়মা পিদুক ফত্তবা নোংবান্না অশোঙবা চীংলক অমুকপা চীংগোল অৱাঙবা লৈ শাংতবা চীংজাওদা তাকশিল্লগা পানব লৈগী মচিঙ্গাক ওইহনগে খল্লদুনা লমদোন থবি-লোক্তা খুদোম্বী থিন্দুনা তাল্লে। মতাওনা তাকপা মতুংইন্না খম্বনা মোইরাং উযানলম্বী য়েংলগা অশোঙবা চীংলক অদু তন্না লৈ হেকপা কাখৎলল্লে। উচেক রায়াগী মখোল তাবা ফজ্রেৱ চংনবা লম্বীম্বু লৈতবা অঙম্বা চীথক অশোঙবা চীংলক অদুদা খম্ব চংফম খঙদদুনা ককজাওনদুনা লেপ্তুনা লৈরে। পোকপদগী অমুম্বা চংত্রিবা চীংলক অদুদা মায়কৈ ঙাওদুনা চংফম খঙদনা মথল্লায় রাদুনা লৈরিবসি অয়াং-লৈমা পান্থোইবীনা উবিরদুনা খম্বগী মমাঙদ লৈশু পায়বী অহল ওইরবী ছম পুবী হাওনুবী ওইনা অথাক্তদা মমাঙ থানা চংপদু উইল্লে। খম্বনা অহল ওইরবী হাওনুবী অদুগী মতুংইন্না চেলনা চেলনা তান্নরকপদু ফবা সুকঙম ঙমখিদে। লাপতক্লা হাওনুবীগী মতুং ইন্দুনা লেপতনা লাকপদা লিল্লাই পুনেক লমগালম থাংজীং নমলোন অৱাঙবা কাংজোই

খুমংগোং মচীংলেন, কাখৎতুনা চীংদোন লোমলে। পাইথ লমজাউ ঢৌবদা মমাঙদা চৎলম্বা হাওম্বুবীদু মক্তম ইখঙ খঙহৌদনা মাঙথোকখ্রে, খম্বসু লেমশাং চৎপগী রীবতুনা মফমদুদা লেপ্লথারে। মালং মুংশিং লাপিনেন, ঊবক্তা শাংলিবা লৈরাংগী লৈনমবু পুবক্লুনা মনাতোল তম্না হুমজিল্লক্লবদা খম্ব ফমলম্বদগী ফুক হৌগংলতুনা লৈরাংগী শাংযম থিবা হৌরক্লে। লৈনম্না পুক্রিং তুনা মুংশিরবা লৈরাং অসি হেক্লগা চিংঙু থাংজীদ, কংলবদি মুংঙাইগদি দা খল্লদুনা বোয়না লৈন চৎতুনা য়েংবদা রাংলাবা পামেল ঊগী ঊতোনদা শাংলিবা লৈরাং ময়ামদু উবদা খম্ব মপুক্রিং মু ঙাইরদুনা ঙবোং তিংথোক্লগা উতোন লোয়্না কাখিদুনা ফজ ফজরবা পুম্নমক শাংলা লৈরাং খল্লগা হেকৎরক্লে। মহুনসু পেন্দতুনা অকোয়বদা শাংলিবা ফজরবা লৈরাং মখল কয়াসু ফিগাউ থল্লা হেক্লে। ফজরবা লৈবাংশিং অদু নোংবান্না ঊগ্রবদি মথরায় মুংঙাইরোই খল্লদুনা লৈখল নাইনা নাইনা লৈনানা য়োমদুনা হাপ্লগা মথক্তা উয়ুং মপাল খরনে, ফৈজা মপাকনে, ঊরেল লাবনচিংবা মীনা পান্নদবা লৈনা য়োমশিন্দুনা কুপশিল্লবা লৈগী পোলাং অদু পুরগা খম্ব কুমথরক্লে। মানা পামজবা মথরায়না তাবা লৈরাং হেকপা ফংলবদা মথরায় মুংঙাইরদুনা খম্বনা চৎনা চৎনা লৈরীদা মজাইবেম্না থোইবী নীংশিংলক্লুনা ঈশৈ শকলক্লে —

লোইবী চীংমায়দা শাংদী চীংলাইবক্কী উথম্বালগুম্বী
রাঙ্গোন তম্পাক হাদবী মুরা ইবেম্মা থম্বালমানবী
লমদম তাম্না লৈহৌরবী শানৌ ইনেম্মচা মুংশিবী
থোইবী নঙগী পামমু চেংলৌ শক্তম উবা ফংজ্রবসু
মুরানা তপলকপা মুংশি মেলোন পানা খুদপতি
চাবা ফংতুনা পাখংগী অরাম খোরাংবা কোকচরে।
শানৌ নকাদা পাখংনা হায়নিংরাদি ফিয়োমশা
ইকায় মুংশি য়াননবনা হায়দোকপদি ঙমজদে
তুরেল লাইজ ঈহৌরকপা চাংজৌ পানা চেনজবা

খোংম্নুংদা হৌবা কৌশিংনা ০ল ওই০। থিংবগুম
পাঙং থম্মোয় লকাদা ঙংশি লাইজ ঈ:হৌরকপা
পামমু চাংজৌ মাপা থুংদা কল্লক য়েংথি পল০া
ঙুংশি কাদা খিংলগত্রা খল্লুবদা পাখ দি ঙুংদংরে।

খম্বনা মশানৌ মনেম্মচা থোইবীবু থাদ্বুনা শক্লবপা ঈশৈদু জাবদা নোংবান মথক্লায় শোকখবোই মখোই থিংনা শ উব, খম্ব কুম্লকপা ভাইদ্বুনা লৈরে। খম্ব লাকপা উবদা নোংবান্না মনাক্তা চঙশিল্লগা লৈ হাপলিবা পোলাং অদু হাংদোক্নুনা লৈয়াম অদু য়েংবদা মমল য়াওদবা লমহাং তুহাং নারক মোংশোংদা পংশাং শাংচবা মীনা পামংদবা লৈরাং ময়ামদু উবদা লমজা মচা নঙগী লৈশক খঙবা হৌরক্রা? নঙনা হেকলকপা লৈশিংসি কংপদা কবম্বা লাইনা হরাওনা লৌবিগনি? নবুঙো ঐগী লৈনা নঙগী লৈদগী মমল য়াম্বা ফজনা তেল্লে খল্লদ্বুনা নোংবান মথক্লায় ঙুংঙাইরে, রাদি ঙাংথোক্কে। ইতাও খম্ব নঙনা চীংদা মন্দা চংপদা তম্পাকয়ুমদা লৈহৌবী, রাক্তোন মিংথোগী মনোমহোই ফন্তো পোকপী থাদোই মজাইবেম্মা থোইবীবু মীচম অমগুম্ম কোলোয় মিংলেন পন্দুনা ঈশৈদা থাদ্বুনা শকপসে চুমদে। কেগে মচা কনাগুম্বনা ভাদ্বুনা মনাও ইবুঙোনা তমদ্বুনা ভারবদি ইতাও নঙবু বরি খনগনি হাংরকপা মঙক ফত্তবা নোংবানগী রাক্রা মপাউদু তাবদা খম্ব ঙুংশাথীরক্লে। পাইরকী লৌশিং লাক্লুনা করি য়ারানো ইতাওনা তাকপিরিবদো ইতাওনা ভাবা ওন্নবা ওইদ্রিনি। ঐদি মজাইবেম্মা থোইবীবু থাদ্বুনা ঈশৈ শক্কে, ঐনা থাদ্বুনা হৌজিক শকথিবা অদুদি মোইরাংগী তোইবী লৈমরানি। মাগা ঐগা অঙাং ওইরিবৈঙদগী ঙুংশিনরকপনি। অম্বুম্না শেম শাদ্বুনা খুম্লকপা খম্বগী রাদু থাজরদ্বুনা নোংবানদু হরাওরে। ইতাওগীনা তোইবী, নোংবান ঐগীনা থোইবী শরিসো কোলোয় মিংলেন অনিসি ওস্তোক্রা মাল্লপ্রেদা মতা শাম্লহনসি হায়রক্লে নোংবান্না। 'পাথৌ তোইবী মতৈবু হায়না নোংবান্না কৌরকপদা খম্বমা পাথৌ থোইবী মতে খুমলকপা খম্বগী পাউথুম তাবদা নোংবান মথক্লায় তানা ফাক ফাক নোকচৈ।

মাগী মতৌ উবদা নোকনিংঙুন, খম্বসু নোকই। অসুম্না ৱাংলেন ঙাহাক হৱাও মকা তম্না নোকমিন্নরগা পাথৌ ২রূপচা অনিদো মানা মানা হেক্রকপা লৈ পোল্লাং অদু পুৱগা লোইবী চীংখা তম্না কুমথ-রক্লে। ভম্পাক তাবনদা কোংনোয় তুরেলগী তোব্ব'ান হিদেন মতা ফবদা লৈ পোলাং থারগা ইতাও তবা চখিসি হায়না নোংবান তরা চায়োম থোক্লে। খম্বসু লৈ পোলাং থারগা চয়োম থোক্তুনা চাগদবগী থৌরাংলে। লমজাগী তবা চয়োমদি মচেম লায়রবীনা তুমাই ফৌগাক্কী চেংনা থোংবা তবা চাক, পেরুক য়েল্লাংনা লাংবা চমলৌ য়েনশাং ওইবনা হাউবমলোই। ঐগীদি তালোয় মঙান, চমলৌ মথেল লাংঙুনা থোংলগা য়োম্বা চয়োমদু উরগা চানিংঙুনা খম্বনা চাগে হায়রক্লবদি পিজদবসু ফজদা, পীজবে পুক থলদঙুনা তোকনি। অঙুনা খম্ববু খরা লাপ্পা তাম্হোকখিগে খল্লঙুনা পুকচেল ফত্রবা নোংবান্না খম্ব য়েংলগা "ইতাও খম্ব! হিদেন অসিদি ঐগীনি, থায়নদগী ইপা ইপুনা চয়োম থোক্তুনা চানবা মফমনি। থুমন নঙগী তরা চাবা য়াবা হিদেন্দি মখা পাংনা লৈবনি হায়রক্লে"। মতাও নোংবানগী রাদু তাবদা খম্ব ইকায়ঙুনা মখা পাংনা লৌ ফৈদোম অমরোম চৎথরগা হিদেন মতা ফবা য়েংলগা ফমঙুনা চাগদবগী চয়োম থোক্লে। চংবী লারাক তোন্দম্বা লানা লারোন নায়না য়োমথ্রবা চয়োম অদু মথং মথং হাইদোক্পদা ময়োম নাইনা তোঙান তোঙান য়োমঙুনা হাপলম্বা য়েনশাং মথেল ময়ামদু অমমমদা ওইনা লৌথোক্লে। চোকচৈদগী অমুক্তা উখিদ্রিবা য়েনশাং মথেল ময়ামদু উবদা খম্বদি ঙকপদা থেংথ্রে। লাতোন অপাকপদু তিংথোক্লগা ময়াইদা চাক থমলে। চাঙ্কী অকোয়বদা য়েনশাং মথেল ময়ামদু মফম চানা চানা থম্লগা খম্বনা থোংগ্রাই চন্দুনা চাবা হৌরক্লে। য়েনশাংগী মুংশিরবা মনমদো মালং মুংশিংনা হুমখিঙুনা নোংবানগী মনাতোন্দা য়ৈরুবদা মতু চুংই। কদোমদগী মনমনো ওম্থোক্লা মুংশিথ্রেদা হায়না কোয়না লৈদুনা য়েংলকপদা খম্বনা থোংগ্রাই চন্দুনা তরা মথেল চারিবদু লাপ্পা উরে। মতাও খম্বগী চাক য়েনশাংগী মনমলা য়েংলুগে খল্লঙুনা নোংবান্না মাগী তরা ময়োমদু পুৱগা খম্বগী মনাক ভান্না লাক্লে।

নোইনিং চেং মচংনা থোংলবা তুইয়া মানবা চাক্লা শেম্বা চাদুক্কী অকোয়বদা লৈরিবা য়েনশাং মথেল ময়ামমতু উবদা নোংবান চানিংবনা মতিল য়োংলে। 'ইতাও ইবুঙো চানিয়ু তপ্প হাউন চানিযু। ঐসু ইতোমদা চাবা যু ঙাইতদুনা ইতাওগী মাঙ্গা চানি..গ লাল্লিবনি'। হায়রকপা নোংবানগী য়ারাম্বু তাবদা 'ইচেম লাংকম মোপা ঐবু পীজনিংতুনা য়োমলকপা চয়োমনি' হায়না খু চকপি চেপলমদে। 'ইতাওনা চারিবা য়েনশাং অদু ঐসু মহাও খঙ্গিদ্রে তমিংবনি, অদুবু চাও হায়নবা অসিদা চঙশিন্দুনা চাবা ঙমদ্রে' হায়রকপা, নোংবানগী চানিংবা মতৌমু উবদা খম্বসু পীক্সররোই খল্লক্লে। 'করি য়ারানো ইতাও, ঐগী লুকখাকপু ইতাওনা কবয়া চাগনি ইতাওদি শাগে নাতে অচৌবা মচানি' খুম্লকপা, খম্বগী য়ারাম্বু থংতুনা 'ইতাওনা খল্লিবা রাখশদো লাল্লে। তিন্নবা মরূপ মপাংদি নঙনা চাবসু ঐসু চাবা ঐনা চাবদসু নঙনা চাবদা হঙ্গোইনরোইদবনি হায়তুনা ইকায়বা খঙদ্রবা নোংবান্দো খম্বগী চালুক্তা চঙশিল্লক্লুনা চখোম চাউনা লৌদুনা চাবা হৌরক্লে। য়েনশাং ময়ামতু মথং মথং লৌদুনা চাবদা হউমনখ্রদুনা ময়াদগী মথুং শংতোকপা নংদ্রে। নোংবান্না য়েনশাং মথেল ময়ামগী মমিং মথং মথং হংলক্লবদা খম্বনা অমমমদা ওইনা হায়রকই। 'মসিনা লেঙদাকী শরেংনা তোইনা থোংবনি। মসিমনা ইরেংখোংগী পেংবা অতাউবনি। মথং অসিনা থুলাক পাংকী ঙাতেনগা মাইরেনগা থোংবনি। মসিনা হৈকক্ খোংগী ঙাক্রাগা শোইবুমগা গোংবা মথেলনি। চালুক মপান্দগী অসিনা ত্রোংলাউবীগী ঙাকচৌনা থাউদা তাউবনি'। অসুম্না য়েনশাং ময়ামগী মমিংতু মথং মথং থারকপদা নোংবান মখোইদো থিংনা শাউনিংলে। ইখানা খল্লাকপা ওইদুনা রাংত পাদবা নোংবান ঐ ফাওবনা অসিগুম্বা মখল মথেলসুবা য়েনশাং ময়ামসি অমুক্তা চাবা ফংদ্রি। লায়রবা লমজাগী চাক য়েনশাং অসি শোয়দনা লৈম নিংথোকোনগী চাক য়েনশাং ওইরমগনি মপুক্লিংদা চিংনরদুনা 'ইতাও খম্ব নঙনা ঙসি চারিবা চাক য়েনশাং অসিদি অরাম ঐখোয়গী মান্দে, লৈম নিংথোকোনগী মাল্লি'

হায়রক্লবদা মানি ইতাও থুমহকই' খম্বস্তু থৌনা ফনা। ঐনা নহাল-খোয় চিংনরম্বত্থু ঙসিদি তশেংনা খঙলে। মনাও ইবুঙোগী তরা চেংগৈ-হগী চেং মাঙই লেমলৈ ঙায়োক চক্‌দগী ঙা মাঙই ঙাঙনবত্থুদি ইতাও নঙনা নয়ুনদা হোন হোন্দুনা চাবসিনহিন্দনা হায়দোরক্লে নোংবান্না। মবুক ফত্তবা নোংবানগী য়ারাত্থু তাবদা থম্ব মু শা থীরত্থুনা শেম শাত্থুনা অমুক থুগ্রকই। ইতাওবু ঙসিগী চাক য়েনশাং অসি ইচে লায়রবী খনগ্নুনা থোংবা নত্তে ঙরাং মোইরাংগী লৈমরোল ময়াম চাক চান্নে ইচেস্থু য়াঙই। ময়ামগী অরেম্বা চাক য়েনশাং অত্থু ইচেনা মৌপা ঐগী চানবা পুবকই। ঐনা লৈ থিবা চংকনি হায়বত্থুদা থোংনিংঙাই চেং য়েনশাং লৈতত্থুনা ঙরাংগী অরেম্বা চাক য়েনশাং অত্থু চয়োম য়োম্লগা পীরকপনি। খম্বগী মরিক চুম্বা রাত্থু তারবস্থু নোংবান থাজবা ঙমখিদে। লোইজা নিঙোললাকপদা হংগে করিগুম্বা অশেঙবা ওইরম্লবদি ফৈ, নত্তত্থুনা থোইবীনা লাংবা চাক য়েনশাং ওইরম্লবদি মনাও ইবুঙোদা হঙ্গৎকগা কগে রাথোক ওইহনগে খল্লক্লে পায়মা পিবুক ফত্তবা নোংবান্দো।

অসিদগী খম্ব নোংবান অনিদো রারী শাত্থুনা লাকপনা ময়ুম ময়ুম য়ৌনখি। কোরৌ নারল রায়রকপা মুমিদাংরাইরমগী মতমদা মজাইবেম্মা থোইবীনা সেম্নুগা লোয়ননা লায়রশঙদা লৈশক য়েংবা লাবই। ইমুংদা লৈরিবা লৈ পোলাং অত্থু খম্বনা লৌথোকউরগা লৈগী পোমায় হাইদোক্তুনা মপু মনাইদা য়েংহনবদা মমল য়াওদবা ফজদবা লৈ ঙাক্তা য়াওবত্থু উবদা থোইবী শাউরে। তমব মুপা অমনা নোং হেক ঙানবদগী চীংদা কাত্থুনা লৈ হেকপবু নারক শিংলক্তা শাৎপা মীনা চিননদবা অসিগুম্বা লৈবু চিংঙ্ থাংজীংদা কংপা হৌনব্রা? অঙোম নোংবান্না ফজবা মমল নাইবা লৈ হেক্তুনা কেগে লৈবাক মীয়ামদা য়েল্লগা মীনা চিন্নদবা মমল লৈতবা লৈ অসি পুথোক্তুনা য়েনগদবগী শরুকপুদি য়েনদবনা হেম্না ফৈ। ঐগী পায়মা মুংসে গুম্থোক্লা খোয়শাউ লিনশাউথ্রে, চৎলসি সেম্নু হায়না থোইবী শাউত্থুনা চংকদবগী হৌগৎলক্লে। থোইবীগী মতৌত্থু উবদা খম্ব মাস্থু শাউনিংলে। 'লেংবিরো সেম্নু মজাইবেম্মগা লোয়ননা অঙোমগী

য়ুমদা। মতিক চাবা নোংবান্না .হৃকলকপা লৈশিংদো পরেং লেংদিক্লরো। নোংবান নোংবান শোল্লগা পায়মা পুক্লিং খোয়দাবদো তাঙনিংদে লায়রবগী নাকে'ংদা। খুম্বক্কী চন্নু নিঙোল ইচল ইচে রাংতে, মখোয়না লাক্কুনা লৈ পবেং মবাইনা লেংজরনি' হায়ন্নগা খন্ন শাউবংননা ইমুংদা চঙখি। খমন্নু মাস্নু হায়ফম তৌফম খঙদনুনা' চপ চেপ্পুনা লৈরে। খম্বগী রাঙাংদু তাবদা থোইবী মখোঙ থাংদুনা চপা ঙমদ্রে মমাঙ থারিবী মনাই সেন্নুগী ফিজি পায়দুনা য়ান্নরে। মংেন্মগী মতৌদু উবদা মীতেক মীরৌ খঙবী সেন্নুনা 'মজাইবেম্মা ইপুঙোতোনগী রাঙাংসে মরৌ লৈ, লৈবাংশিংসে মখায়ৌনা হায়দোক্কুনা অমুক্তদি য়েংখিসি হায়রকপদু থোইবী মাস্নু মপুক্লিংদা য়ানিংলে। মপু মনাইদো মমায় লৈশিল্লকলগা চঙশিল্লক্কুনা পোমায় হাইদোক্কুনা য়েংবদা পোলাংগী ময়াই ওইরপ্পা লৈনানা নীংথিনা য়োম য়োমদুনা লৈথল নাইনা হাপলম্বা ফজরবা মমল নাইদ্রবা পোমশাংনবা শিঙেল অহেনবা লৈনম্মা পুক্লিং মু ওইনবা লৈরাংশিং অদু উবদা থোইবী মপুক্লিং পেল্লবোই মোমোন মোমোন নোকচরে। খম্বগী শাউবদু ফনবা মাগী ইকায়বস্নু কেক্লবা মনাই সেন্নুদা চৈশিন্নরগে খল্লক্লে। "হায় সেন্নু অপংবী, কুমগী হঙোই মিকুংপী! ষণজাউনা ঙমামোন থুংদে লফুনা মচি কাদে খক হায়রুম্নু মীজাওনা লুবসে খম থেংবনি। নহাক্না হায়বা থাজরবগী হৌজিক্তি ঐস্নু য়াওনা চোপপেদো" হায়রক্লে। মবেম্মগী য়ারাদু তাবদা সেন্নু শাউনিংলুরবোই, 'খঙজদ্রেদা ইবেম্মা কেগেদা অপঙবা লৈহৈদ্রে' খুমদোরক্লে সেন্নুদে। মনাই সেন্নু শাউরে খঙলবদা থোইবীনা মমিং থংদুনা থেমজিল্লি- সেন্নু মখা তানা' শাউবা ঙমদ্রে। মপু মনাইনা চংবী লৈতোন অপাকপা অনি তাইশিন্নরগা থাদুনা লৈশক নাইনা লৈথল কায়দনা শান্দোক্কুনা থমলে। লাইদা কংকদবা লৈনা তোঙান্না, লৈম নিংথৌদা পীগদবনা নাকল অমদা অঙম অথৌ ফম্নাইবদা পীগদবনা তোপ্পা, মীয়ামদা য়েন্থোকদবা তোপ্পা অমুম্না মখল নাইনা মচা খায়না মথং মনাও কায়দনা শেমজিন শাজিন্দুনা থমলে। অচোইবা লৈরাংশিং অদুস্নু পরেং ওইনা

লেংশিল্লে। খম্বনা হেল্লকপা নৈয়ামশিং অহু শেম শাবা লোইরবদা লৌশিংশিংবী থোইবীনা খম্বগী মপুক্কি'দা চিংনরিবা রাকমহু শেংদোক্কে খল্লহুনা খম্ববু চিংনা হেংলগা "তাবিরিব্রা ইংঙোতোন! হয়েং লাইবুং কারকপদা ইবুংগোতোম্মা হাল্লে লম্বীদা ঙাইবিরম্মু, নিংঙোলনা হাল্লে ঙাইজরমগে। কেগে সোরোক য়াংবী থক অঙোম নোংবানগী মমাঙদা লেম্নবগুম চংমিম্নসি" হায়রক্লে। মজাইবেম্মগী মুংশি মিংয়েং উবদা য়ারা মপাউখোল্ল তাবদা পাযমা মুংদা ঙলাংথাগী মৈচাককুম অশাউ খাম্বী ওমচাক্লরম্বা খম্বদো কুমগী নোংলেন ফংবদা মুংপগুম শাউনিংলম্বা পুম্বা মাঙখিদুনা মুংঙাই মায়থোং মকা লামজারে। মচেমগী মাঙ ওইবনা মহিক্ক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদ্রবসু থম্মোয়মু দা পেনজরে। নোংবানগা চাক য়েনশাংগী মরমদা ঙাঙনবহু মজাইবেম্মদা অমত্তা চিংথদনা তম্মে। নিঙোললাকপা অঙ'গী মফমদা রা মেনবিরু হায়জরল্লবদ' থোইবী সেম্মু অনিনা নিঙোলসাকপগী ময়ুমদা চংতুনা নোংবান্না হংলগা কেগে লৈমরোল ময়াম চাক চানৈ খুম্বিয়ু হায়না থোইবীনা চেকশিন্না পুকমেন শাওমেম্ন-রমলগা মপু মনাই অনিদো হরাওনা তম্প্যাকখুমদা হনখি।

অসোমদা অঙোম নোংবান কোংয়াম্বা মানা হেল্লকপা লৈয়াম অহু তালোয় মঙাদা চেকশিন্না শীন্নরমলগা লাঙ্গোই শগোল কারুবা তোংহুনা নিঙোললাকপা অঙম্বগী ময়ুম তাম্না লাক্লে। ওরাং কেগে লৈমরোল ময়াম অঙম্বগী য়ুমদা তরা চাকচা হৈজাম্নে হায়বসিম্ব অচুম্বরা হংলকলবদা নিঙোল-লাকপনা চুমই য়েনশাং মথেলদি করি করিনো হায়না নোংবাম্না কুপথনা হংলক্লবদা নিঙোললাকপহু শাউরে। "করি রাহংনো কোংয়াম্বা! মোইবাং নিংথৌনা নয়াম্ববু য়েনশাং লাকপা হাপ্তবনিনা অহাও অহাওবা য়েনশাং ময়াম চাখিবা যেনশাংগী মমিংদি থঙহোৌদ্রে" খুমলক্লে। নিঙোল-লাকপগী পাউখুমদো তাবদা নোংবান রা মথা তাবা ঙমদনা মথরাম্ন মুংঙাইতনা ময়ুমদা হনখি।

তরামাথোইশুবা মতাং
ফি রায়বা

চিংঙু থাংজীংদা লাংনবা লৈ হেকলুবা হল্লরগা মুমিং তারকপা মীশক মীশা নীংথিনা উরক্রুবা মতমদা নোংবান্না খম্ববু রাহনগে খল্লহুনা লাঙ্গোই শগোল তোংলগা খম্বগী থোঙ্গাল মপাদা মখোল শেমহুনা লাউরক্লে। "কেগে তাদবা তাহৌবো মোইরাং খণ্ডদবা খণ্ডহৌরো। হয়েং চিংঙু থাংজীং হরাওবদি চাকতোন ফিদোনবা চৈ ফিমন শেংপা লিকমন শিবা য়াবোই। কনাগুম্বা লমহেনবা য়াওববদি নখ্বাং মুংচুম য়াল্লগা লোক্তাক ঙামি খেন্নগনি। চবৈ কৈত্রবস্মু রায়বা যাবোই, হেন্নবস্মু মীঙোন্দা পীবা য়ারোই মপুগী য়াথংনি। তাদবস্মু তাহৌরো খণ্ডদবস্মু খণ্ডহৌরো তাদে খণ্ডদে হায়ফরোই" হস্নুন্না নিংথৌগী য়াথং পাউজেল শাহুনা নোংবান্না লাউরকপহু তাবদা মীপাইচাউবী খমন্নুনা মথরায রানা থোঙ্গাল তান্না চেন্থোক্লুনা মোইরাং অঙম্বা ঙাইখিথো অমুক্তা হন্না লাউ-বিরমখো ময়েক শেংঙ্না তাজহৌদে হায়জরক্লে। কেগে মুপী নাপংবী নকোক্তা ননা থেংতনবা? নিংখৌগী পাউজেলবু য়ুমখোং খুদিংদা চঙহুনা লাউবা ঙম্বা হায়না চৈরন্নগা নোংবান শগোল তোংহুংবা চংহি। খমন্নুদি মথরায় রাহুনা ইমুংদা চঙললে। ঙাহাক লৈরগা থাঙ্গা লৈকায় কোয়রুবা খম্বস্মু হল্লক্লে। খমন্নুনা মথরায় রানা মহুনিংথৌগী নাক্তা চঙশিল্লকলগা "মাঙলে, মাঙলে ইবুঙো! নহাক্না খুন্থকী লৈরোইহঞ্জবা ঙইহুনা হেক-লুরিবা লৈয়ামশিং অসি চিংঙু থাংজীংদা লৈ লাংবা য়ারোইদৌরে। হয়েং লৈ লাংবদা চৈরৈ ফিমন শেংপা য়াদে চৈরৈ ফিদান্নবনি হায়না হৌজিক্তা মপুগী য়াথং পাউজেল লাউরম্মী। লায়রবা নহাক্কি দি চৈরৈ অহনবদি হায়রুগম্মু অমনবা ফাওবা অনিস্নুনা লৈতবা নঙনা করি শেং চাহুনা থাংজীং লাইবুং কাহুনা শিঙেল লৈরাংগদৌরিবনো? নতাও নোংবান কোংয়াম্বদি রাংত পাদবা ইনাক কৈরাক খুনবা মচানিনা অহন অহনবা চৈরৈ নমথাং শেং-চাহুনা লেন্নবগী মঙংগুম লাক্কনিদো। ইহুনিংথৌ নহাক্কি অফবা চৈরৈ নমথাং লৈতবনিনা কেগে লৈবাক মীমাঙদা চংঙাদা চমক্তা

অতাক্লরগনি থল্লুবদা ইচেদি রাবনা লৈফম থঙদ্রে” হায়রক্লে। মচেমগী য়া'রাদু তাবদা অরাবা মতৌদু উরবা খম্ব মথরায় রারবস্মু মচিন্দদি র বি-কন্নু ইচেমহল, লাইনা তম্বা লাকনি। ইনাক কৈবাক খুনবা মচানা মমল য়াম্বা অহনবা চবৈ ফি শেং চাজসন্নু। লায়রবা ঐদি অবৈবা চরৈ ফিহু শেংনা শুদোক চামথোক্লগা শেংচগে খুৎকই। মৌপ্‌াগী মপুক্লিং নুংশিবা য়'রাদু তাবদা খমন্নু মথরায় রাদবা ওমদে। মাগীস্মু লৈত্তে নীংভাম্বগী রায়বস্মু য়'দে হায়রি করম তৌসিগে খনবদা লায়রবী খংন্নুদো মকোক ঙাওরে, রাখল লংজিন পুল্লে চাগনি থক্কনি কাউরে।

নুমিদাংগী তরা চাবা থকপা লোইরগা খমন্নুনা মপাগা লুনা ত্তিম্নরবপা থাঙ্গরাকপা অঙম্বগী মনাক্তা লোম্না চৎতুনা চরৈ ফি রায়রুগে থল্লদুনা মৌপ্‌া য়েংলগা, “ইচেমগী ইবুঙো লায়রবা! পম্বৌগা লুনা চাম্না ত্তিম্নরম্বা মরূপচা কেগে থাঙ্গরাকপা অঙম্বগী মরানয়াইদা চৎতুনা চরৈ রায়রুসি হায়ববু নোংয়াই করি খনবগে” ? হায়রকপা মচেমগী য়ারাদু তারগা “ইচেমহল! নৌপ্‌াদি চৎনিংদে। থাঙ্গরাকপা অঙম্বদু নীবদা পীগন্দে, লৈত-লায়র মশক খঙজিন্নদে অশোল অনা অমত্তা মনাক্তা চঙহন্দে হায়নৈ”। ইপাগী মরূপনি অমুক্তদি হায়দুনা ময়েংঙ্‌সি হায়রকপা মচেমগী য়ারাদু হিকতোকপা ঙমদদুনা অমম্বা অহীং অতুদা মচিল মৌপ্‌া থাঙ্গ-রাকপগী মরানয়াই তাম্না লাকলে। মতম অসিদা থাঙ্গরাকপা তুমথখিবদা মঙাইরি, থাঙ্গরাকপীদি ফুঙ্গা মনাক্তা ফমদুনা হিদাক থক্তুনা লৈরি। থংদি দারিদা মখোঙ য়াম্থদুনা ফমলে, খমন্নুনা থোংজিন ময়াদা চঙশিল্লগা ইপা ইবুঙো, খোমলেন তুমথুল তাম্লত্রা হায়না খমন্নুনা কৈরোয় লৈকায় তাখিনি মতাগুম মখোল পিক্লা কৌজরকই। থাঙ্গরাকপীনা তারদুনা কেগে মচা কন্যানো হংলক্লবদা পলেম ইমা ইবেম্মা নমোম লায়রবী খমন্নুনি পম্বৌ থুকমজবা লাকচবনি থোংজি নাত্তে কাংবিয়ু হায়জরকপা খমন্নুগী য়ারাদু তাবদা থাঙ্গরাকপীনা থোঙ হাংদোক্তুনা খমন্ত ইমুংদা চঙলগা মপা থাঙ্গরাকপা থুরুমজে। থাঙ্গরাকপীনা খমন্নুবু চিংনা য়েংলপা “ইমোম ইবেম্মা, কেগে লৈকায় থুদিংদা কোয়না চৎতুনা তরা চাকনিদুনা নৌপ্‌াবু

চাউনবা য়োকপদা নোংমতবু ইমাগী নাক্তা লাক্কববু নমা কৈরি কাউব্রা ? খোমলেন মঙফাওনবগুম ওসি অহীং ইমাগী নাক্তা লাকপদি চানিংঙাই করি রাংপগে, হায়নিংবা করি লৈবগে চিংনবা লৈতনা ইমাদা হায়য়ু' হায়রক্লে। থাঙ্গরাকপী মমানা হৱাওনা তৌনিববদা খমনু মথরায নুংঙাইজরে। মমা মচা অনিনা হৱাও নুংঙাই রাদি শান্নবতু তুমৎরুবর থাঙ্গরাকপতু তারদুনা মিকপ থোরক্লে. খমনু উবদা ওকালে। 'ইমোম খমনু নত্তবরা? হংলকপদা 'মানি ইপাইবুঙো' হুংজে হরাওনা। ইনু সমৈ রায়রকপা মীচিক মীরাওখোল তারক্রবা মতমসিদা ইপাগী নাক্তা লাকপদি কেগে কনানা লাকচ থুদুম চনবগে হায়ু ইপাদা হংবিরক্লে থাঙ্গরাকপা। "ইপাইবুঙো! নপারি খম্বদো পাঙ্গল শরেপ ফারদুনা মোইরাং নিংথৌনা লৈরোইহঞবা হাপ্লিদুনা চীংদা কাদুনা লৈ হেকলুরে। হয়েং চিঙু থাংজীংদা লৈ লাংবা চংপদা চবৈ ফিমন শেংকরোই, লৈত্রবসু রায়বা য়ারোই হায়বা মপুগী য়াথং পাউজেল তাবদা ইপাগী চরৈ ফি অফবা অমত্তা লৈজদবতুদা পাম্বোগী চরৈ অহনবা লৈরবদি তুমিন্না অমথক্তা রায়জগে পীনবীয়ু লাকপনি" হায়রকপা খমনুগী য়ারাতু তারগা থাঙ্গরাকপা হরাও হরাওনা 'ইচাদা পীদনা কনাদবু পীগনি। ঐগী তাবু হাংদোক্লগা অপাম্বদা থন্দুনা পুঙখো তাকপিরে' মপাগী য়ারাতু তাবদা খমনু মথরায় নুংঙাইরে পীদ পীগদবোই খল্লক্লে। ঙাইহাক লৈরগা ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, লায়রবী নচিল নৌপাগী য়েংলুরবদি চরৈ খি পীগে খল্লুবনি। নওবু পোকপা নপা পুরেননা মপাল ফরিঙেদা থাঙ্গরাকপা ঐবু ওং নৈরম্বতুগী খল্লুবদা চরৈ পীফম থোক্তে পীররোই ইমোম হল্লো। চরৈ ফি রায়বা য়াদে হায়রগা করিগী রায়বা লাক্লিবনো ঐবু চোপহনগে তৌরিব্রা হায়নতুম চৈবিরে। খমনু রা মথা তাবা ওমদনা মরূ লুক্তুনা হিক্লা হিক্লা কপ্তুনা মপান্দা থোরক্লে। খম্বনা মচেদা চরৈ ফি পীরক্লবরা হংবদা খমনু পাউথুম অমত্তা পীদনা খরাই থেঙ্গাল পাংলক্লে। থোঙ্গাল রাংমা লাল্লগা থাঙ্গরাকপনা হায়রকপা রাফম পুম্নমক অমত্তা চিংথদনা মৌপাদা তমলে। চরৈ ফি রায়বা পীরোই

হায়রগা লোইরে অহুদি নংত্তুনা কোয়ৌ নোঙ্গানগ্রবা পম্থৌবু পীবন পাবম্নহুনা চৈদ দি ঐগী ইতিক খঙহনগে হায়রম্লগা খম্ব শাউনা চংখিদুনা থাঙ্গরাকপগী মাঙ্গোল উথোকতেন পায়দুনা নোম্বদা চাউরবা য়ুমজাউদো খাগা রাংগা ফেং ফেং হাইরে । মতু উবদা খমম্ন মুংশাথীনা চেনশিল্ল-ক্তুনা মৌপাবু থামলগা পুতুনা চংখি । থাঙ্গরাকপনা ঈমুংদগী য়ুহারারে লাউরকপদা থোংজিন মরুমদা লেপ্তুনা য়েংলিবী থাঙ্গরাকপীদি খম্বনা তৌরিবদু উরদুনা য়্হারাবা নত্তে মৌপা খম্বনা পিবন পাবম্নবগী শাউদুনা য়ুম থুংদক্কে তৌবনি হায়না মবুঙোদা তমলে । অহল ওইরবা নপাঙল নথৌনাস্থু য়াওদবা নহাক্পা শামা পাঙ্গল ইনখংলক্লিবা শামুমুক কল্লবা খম্ব য়াওবমগনি খনদনা লায়রবী মচেম খমন্নুদা করিগী পীবন পাবম্নতুন চৈক্রিবনো ? লায়রবা মচিল মৌপাগী করি মরাল লৈবগে হায়রক্লে থাঙ্গরাকপীগী য়ারাহু তাবদা ঙাহাক রাখল তৌরগা থাঙ্গরাকপী, মচিল মৌপা কদায় য়োৌথ্রে কৌশিল্লকউ চরৈ ফি পীগে হায়রক্লে । থাঙ্গরাক-পীনা মপাল থোক্লগা কৌংদা খমম্ন তান হানা ঙাশিমুদনা মমুমদা হনখি খম্ববু ফিবদগী থাঙ্গরাকপদো অহীং চুপ্পা তুমদনা ফংঙাদা হিদাক খক্তুনা রানা নোংঙানবা ঙায়খি ।

চরৈ ফি রায়বা চংলুবদা থাঙ্গরাকপনা মথোয়বু পোকপা পম্থৌবু চৈহৌবা অতুগী খল্লবদা মচিল মৌপা অনিদো মথরায় শোক্পা ফুংঙাই-খিদ্রবোই লম্বীদা রা মচেং অমত্তা ঙাঙনদবমথৈ লাকপনা ময়ুম য়ৌরক্লে । হয়েং ইফুং ঙানবগা ইপানা লায়রবনা চরৈ থিমাম্নদবগী লৈবাক মীয়াম মীয়াওদা ইকায়বা নংগদবা অতুগী খল্লবদা খমম্ন মাদি মথরায় রাবনা থোমলেন য়াত্তাবা য়াদ্রে । খল্ল খল্লরগা রাখল লম্নুমুরতুনা পলেম পম্থৌ অনিবু কৌদুনা কপলক্লে । "পলেম ইমা ইবেম্মা, পম্থৌ ইপা ইবুঙো! তাইবং মাপংপানসিদা লায়রবা ইচিল ইপানা মীমাম্নদবগী রারিবসিবু কোয়ৌ নোংমদোল্ল থক্তগী উংত্রবরনে পলেম" হায়না খমম্নুনা জেপ্পা লৈতনা ইঙা নোংলেন নোংনা থোংবগুম কপলক্লবদা খম্বম্নু মিংলুদা পিগী ঈয়া হৌরক্লে । "পলেম্ শকপী ইচেমহল! লায়রৈ করিগী রাবগে,

লৈতে করিগী মুংনাংবগে? কেগে মোইরাং লৈবাক্তা লাযববা মউ লিংৰবা ইনাকখুনবা মপাল শাবরা? চিংঙু থাংজীনা কুবিরবদি ইচিল ইপাগীসু মতম লাকখিনি রাবিরগনু ইচেমহল হায়না থেংতিল্লি। খমনুনা ফমেল কাদা চঙলগা মমানা হিপলন্বা কাংথোং অহুদা ংখুনা য়ান্থতুনা তুমলিবী পলেম হৌদোকপগুম মমা বৌইন বপংবুবদ খম্ব মাসু খাঙবা ংমুক্তুবেই মখোন থোক্না কপলক্লে। ফংদ নচিল মৌপা অনিদা ঙাইহাক কদিনরুদগা খম্বনা কপ্পা থোবদিরো। থেগে তাদবসু তারক্লগনি মোইরাং খঙদসু খঙনবুগনি। ইচেগী অরাবসে নছুনিংথৌনা য়েংতুনা লৈবা ঙমদ্রে হায়রকপা খংগী য়ারাছু তাবদা খমমু মখোন থোক্না কপ্পা ঙমদতুনা হিক্ক হিক্কা কপতুনা থম্মোয়মুংগী মৈচাক খাঙজখি। অহীং তাংলৌ রায়রক্লে, পোত্থাবিবে। হায়রম্লগা খংদি যমুংদা কাখংতুনা হিপথ্রে। খমনুদি হিক্কা হিক্কা কপপদা রামনখিবনা ফমুংদা কাখংতনা ফম্মাংদা থারিবা ফক্তা ফম্না ফম্না তুমথোকথ্রে। ফমুংদা হিপলবসু খম্বদি রাখলনা তুম্বা য়াখিদে। ইচেম্না খরাই থোঙ্গাল লাম্বে কমু খিংবছু ঐনা লমহেন্দুনা চৎথোকউবদগী ইচেম্না রারিবনি। হয়েং চিংঙু থাংজীংদা লৈ লাংবা চৎপদা ঐগী লৈজবা চরৈ ফিমনসি শেংতুনা চৎকে। চরৈ ফিমন শেংলি চাকতোন ফিতোল্লি হায়তুনা লায়রবা ঐবু লৈবাক মীমাঙদা খোঙ্গোয়নরবদি কেগে মোইরাং লৈবাকসি নিংথৌ পাল্লবসু পান্দবগুমলে, লৈত-লায়র অশোল অনা লৈহৈদ্রে খঙহল্লমগা ইয়ুম কেগে খাদোক্লুনা ইপা ইপুগী লম নোংয়াই খুমন লৈবাক পাংবিগে মপুক্লিংদা চপ মুংনা লেপলছুনা খম্ব নিংঙাইবা লৈতনা তুমথথ্রে।

মৌপাগীদমক্তা মতম পূম্নমক্তা রাজরবী মমোম খমনুগী অরাবছু কোংরৌ নোঙ্গানগ্রবী পলেম মমা ঙাংখলৈমনা উহিরছুনা মমোংগী মঙ-লানচান্দা লাক্লগা, ইমাগী লাংলেন চরৈসু! ইমোম করিগী রারিবনো। নচিল নৌপাগী শেৎন-চানবা চরৈ ফি লিককোল অমত্তা রাংতনা তাবু লুবাক খল্লা নপা থোংলেন্দা শীননছুনা থনমবনি। নচিল নৌপানা চৎতুনা অপাম্বা খল্লগা শেৎ-চারুরো" হায়না মমঙদা তাকপিরম্নবদা

খমনু নিকপ থোকরক্রে। পস্লেম নহৌ অনিনা খমনু শারা তান্নমদাইদা থোংলেন্দা শিন্নরম্বা মানা অডাং ওইনা উহৌবা তাহৌবা পুম্নমক্তু অহীং অতুদা মথং মথং নাইংশিংলক্রে। মতুনি থো হৌদোক্লগা মপা থোংলেনগী মখুমদা চংতুনা পাংশম পান্থৌ অনিনা ৎন্দিবদ্ধা চবৈ ফি লিককোন্নতু লৌকসি হাযবক্লে। থোংলেন ভথৌবদি য়ম্না শাউগল্লি লাযনে। কবিগুম্ব। চংলুবগা পীরক্তুনা ইকায়বা নংগদবগী শককপুদ হৌচেনা খোনবীবা চরে ননখাংতু শেংতুনা চৎলগে নৌপাগীদমক্তা ৱাদ্রিবতু তোকপিরো হাযবক্লে খম্ব চংসি য়াদে। ইতুনি থো পুকচেল চাউবা ইপা থোংলেননি। হান্না ৱায়গে হায়রগা থেংনা লৌসি হায়না মৌপাবু হন্না হন্না থেম্বদা যাবক্রুবদা শাউগন্দবা খমনুদো শাউরে। নত্ত লৈজহৌরো ঐগি চৎলে হাযনা থোঙ হাংদোক্লুনা ময়বা অহীং মীচিক মীবাওখোল তান্নরক্রুব। মতমতুদা খমনু শুম্নাং তান্না থোকখ্রে। মচেগী মতৌতু উবদা খম্ব পুংশাখীতুনা লৈচৈ অমা পায়বগা মচেগী মতুং ইন্দুনা লাকপনা থোংলেনগী খবাই থোঙ্গাল য়ৌরক্লে। থোংলেনগী খুমদি চেকশিন্না মায়কৈ মরি খাজি-ল্লগা হোজংদা মনাইশিংনা অযুক মুংথিল মুমিদাং খাক্তনা থোঙ ভাক্তুনা লৈবনা য়েক্লবা কনা অমত্তা চঙবা ভমদে। থোংলেনগী মনাই মুবা মেরা অনিবু কিবনা মীদ নত্তনা শা-ষণ তুই হৌদোং ফাওবা চঙদে। অমুক চেকশিন্না ভাকলিবা থোংলেনগী যুমদগী ভরাং অহীং শজিবু লৈখুল তৌতুনা লুপাগী ৱাগোক তুখিবগী শাউতুনা থোংলেন্না মনাইশিংবু কৌরগা মতুংদা অমুক মাঙলবদি নউন অতু খোক্লগা থুম মোরোক চাইতুনা মুংশাদা কৌরগা তরেৎনিশুবা মুমিত্তা মোইবাং খোবি কৈৎেন্দা পুথোক্লগা য়াইরি হাওপোৎ অনিনা নাই কাইগনি হায়না চৈবদা মুবা মেরা অনিদো অহীং মীংশেল খাঙতুনা থোঙ শঙক্লিঙৈদা মচিল মৌপা থংলরে। খমনুনা মৌপাবু খরা থাপ্না থনম্লগা থোঙ ময়াদা চঙশিল্ল-ক্তুনা ইপাগী মনাই থোঙশঙবা কনা কনা লৈবগে, থোঙ অমুক্তা হাংতোকপিযু হায়রকপা মুপাগী মখোল তাবদা থোঙ শঙলিব মখোয় অনিনা থোঙ হাংদোক্লুনা তেংবদ খমনু লেপ্তুনা লৈর দু উংবদ ভকনে।

ইপাগী মনাইশা ইশা খুক্মগে লাকপনি ইপাগী নাক্তা পুশিনবিয়ু হায়জববু মখোয় অনিনা হ্বানবনা মুপী শাত্নুনা লাকপনি থন্দুনা থমম্নবু ফারগা পুশিনখ্রে। ইত্নুনিংথৌ। য়্যংলৈ তাউবা তুইয়ামনা কোয়শিল্লবা য়াওরৌ শাগুম ইপাগী মনাইশিংনা নংমেম ঐবু ফাবিরে হায়রকপা মচেগী য়ারাতু তাবদা থম্বা চেনশিল্লক্তুনা চাউরবা খোঙতু নমথেক্তুনা মমুংদা চঙলক্লে। পম্বৌগী খোঙশঙবশা ঐখোয় অনি ইচিল ইপানি পন্থৌগী নাক্তা পুশিনবিয়ু হায়জবা থম্বগী য়ারাতু থওইনা তাবিদনা মখোয় অনিনা থম্বগী মথুক্তেং নামা নামা পায়রগা পাং তিংতুনা থমলে। থম্বনা শাউত্নুনা মপাঙ্গল থেক্লা মথুং অনিতু খ হাই হাইজিন্নবদা মখোয় অনিদো মথুং চেৎনা পায়হৌদ্রবোই নানখোত্তুনা। পাইশিনহগা মশায় মমায় য়ৈশিন্নবদা নামনথিবনা শাউত্নুনা মীনাই অনিতু ফুনরে। থম্বগী মপাঙ্গল মথৌনাতু উবদা কিরত্নুনা হায়জরক্লে। "ইবুঙো অথৌবা। খোংলেনবু খুরুমগে থল্লবসু নোংঙাল্লগা খুরুম্হিয়ু। ইমুং মতম চাদনা থাজিল্লকই হায়ত্নুনা ঐখোয় অনিবু শোয়দনা ফুবিরগনি।" মখোয় অনিনা হায়জবতু য়াবিরত্নুনা মচিল মোপাতু থোঙ ময়াদা কমত্নুনা নোংঙানবা ঙাইখি।

কেগে ইমুং ঙাল্লকপা মোইরাং শোরা হেল্লকপা তাউথা চিঙ্গোয় অঙনবনা লংলাগী লংজিন তিংলকপা অয়ুকী য়েন্দা অঙনবদা মনাই মুবনা চঙলক্তুনা খোংলেনগী তালোয় অতোম্বীদা মচিল মোপাগী পাউত্ন তমলুবে। তালোয় অতোমবীনা মচেম নিপাঙ্গ হৌদোক্তুনা ঐখোয়গী ইবুঙো অথৌবসে মপারি মমোম লৈত্রা? ঙরাং অহীং তাংলৌ অথেংবদা মপা খুরুমগনি লাকপতু খোঙশঙবনা হোজংদা ফাত্নুনা গুমলে হায়রক্লে। অতোম্বীগী য়ারাতু তাবদা তালোয় মথৈনা থম্নবদা রাথল লাম্বা ফংদত্নুনা মবুঙো হৌদোক্লপা হংসি লেপ্পরে! তুমপ্রবা খোংলেনবু হৌদোকপর্সি অরায়বা নত্তবনা মখোয় পুম্নমক কিনরে। কনাম্ব চঙত্নুনা হৌদোকপা ঙম্নদে। খোংলেনদি য়াম্না ফিংই মশা নোমত্নুনা হৌদোকপা য়াদে, মখোঙ পায়রগা থম্মাংদা চিংথরম্নপা

লাপ্পা চেন্থোক্লদবনি। অদুদা চেনবা নংহৌদবা মরাইবকথীবদুদি চৈ চাবা শোয়দ্রবনি। অহাং অদুদা থোংলেনগী মমঙদা চাইরেন মিংথোগা হুয়েন্দ লান্থোংনদুনা তা হুনগে খল্লদুনা মখুৎ তিংথোরকপদা মাগী তালোয়-শিংনা মখুৎ মখোঙ পায়রগা চিংথবদা কাংথোন্দগী নাম্থরগা ফম্মাংদা থাম্লিবা ফক মথক্তা ঙেক লাউনা ফমখরে। তালোয় ময়ামদি কিদুনা চেনখ্রে, তুং থংহৌবী অতোম্বীদি চেনবা নংহৌদদুনা কাংখদা হোৎচিল্লে। থোংলেন্না নাক য়েংতা লৈদুনা য়েংবদা কনা অমত্তা লৈবা উরক্রবদা কাংখগী ফক্লাং ময়াদা খুক খুদক কুন্দুনা তাশিন্দুনা লৈম্লিবা মাগী তালোয় অতোম্বীদু উরে। কনানো হংবদা ঐ অতোম্বীনি খুম্লক্লে, শাউবা খন্না ফবে। ঐবু হৌদোকপরা, হৌদোকই; করিগীনো হংবদা ইবুঙোগী নপারি নমোম অনিনা ঙরাং অহাং তাংলৌ অথেংবদা ইপা খুরুমগে চঙলকপদা থোঙশঙবশিংনা চিংনদুনা ফারগা হোজংদা থমলি হায়বা তালোয় অতোম্বীগী য়ারাদু তাবদা থোংলেন তরেৎ তরা থোক্লা খল্লবগা রাখল লাম্বা ফংলদুনা মচিল মৌপা অনিমক কৌশিল্লকউ হায়-রক্লে। তালোয় অতোম্বীনা মনাই মুবা থাদুনা মচিল মৌপাবু কৌহল্লুরে। খমম্বুনা মাঙ থারগা মচিল মৌপা চঙলকপদু উবদা থোংলেন অমদি তালোয়শিংদো ঙকপদা থেংখরে। মচিল মৌপানা চঙশিল্লক্কুনা মপা থোংলেনবু খুরুম্লে। থোংলেন্না শংত্রিক য়েংলগা, "ইপাগী লাংলেন ইবেম্মা! অহাং তাংলৌ অথেংবা মীচিক মীরাওখোল তাখিদ্রবা মতমদা ইপাগী নাক্তা লাকপবু কেগে কনানা মোইরাং কনানা পারি ইমোম অনিবু লাকচ খুদুম চনবগে, ইপাদা চিংনবা লৈত্তনা নপাউ শেংঙ" হায়রক্লে। মপা থোংলেমগী মুংশিবিবা চানবিবা রাঙাংদু তাবদা মচিল মৌপাস্থু মুংঙাইজরে। "ইপা ইবুঙো! মপারি খম্বসে খুম্থকী লৈরোইহঞ্জবা ওইরে। চিংঙ থাংজীং লাইদা লৈ লাংবা চৎপদা ইচুনিংথোগী শেংনবা চরৈ অফবা লৈতদ্রুনা রায়জগে লাকচবনি" খুমলকই। "খমম্বু কনাদগী চরৈ ফি রায়বা লাক্লিবা ঐবু পোক্কবা নপানি খনব্রা" হায়না থোংলেন্না শাউরক্লবদা খমম্বু পুংশাথীরে। 'ইপা ইবুঙো অপোকপা!

নমোম্না রাহৈ লানখিবনি। ইপাগী নাক্তগী নমোম্না চবৈ নমখাং লৌক্লগে লাকচবনি' হায়বক্লে। মমোমগী য়ারাহ্ তাবদা থোংলেন নু'শিংরিবোই মমোম খমনুবু চিংনা য়েংলগা "ইপাগী ইমোম ইবেম্মা! নচিল নৌপ্ৰগী খল্লুবদা ইপাগী থম্মোয় ফায়গদৌবে। ইপানা কেগে কংনা কাহৌদননা নতুনিংথৌবু থুম্বক্কী লৈরোইহন্তবা হাপপতু ইপা খঙহৌদ্রে। হৌজিক্তি ইপা লৈরি, পারি ইমোম অনিগী করি রাংকনি" হায়রিবে। মনাই মুবা মেরা অনিবু কৌরগা পারি ইবুঙো নোংয়াইনা থুম্বক্কী লৈরোইহন্তবা ওইরবনিনা পারিগী তাংজ মায় চেংপগা য়াদে। তেংকুপ তেরা খাহুনা নোংয়াই ইচাগী যুমতু শেমহল্ল। রা তিংফমদগী রা পুখো, উ তিংফমদগী উ পুখো থোংলেন ঐনা মমল পীগনি হায়না অঙম্বা য়াথং পীবক্লে। তালোয় অহল থোংলেনবী কৌথোক্লুনা ইতাও ইচল অনিনা থনম্বা চবৈ নমখাং লিককোন হাপ্পা তাবু পুখোরকউ হায়বক্লবদ, তাবু অনিতু মাঙ্গোন্দা পুথোক্লগ মমায় হাংদোকপদা হৌজিক্তা শাবা চবৈ ফিগুম মচু মমেল মাঙলমদে। পলেম পম্বৌনা শেং-চারম্ব চবৈ ফি লিককোন্দু উবদা মচিল মৌপ্ৰানা খুফমজে। থোংলেন্না মপারি থম্বৰু কেগে লৈবাক মীমাঙদা চোংপা য়াদে খন্দুনা জগোয় তম্বিবে, তালোয় অতোম্বীনা খমনুবু তম্বিরে। থোংলেনগী যুম অহু হরাও নুংঙাইবগী মীনোক্লা পুমনিল নিল্লে। মপা মচা মখোয় অহুমদো ফমমিন্নতুনা তবা লুকোই মখেল চানিন্নবগা মপারি মমোমনা শেংপদা পকচগদবা চবৈ নমখাং ফিরোল লিককোল পুন্নমক খন্দোকলগা শিন্নরে। পারি ইমোম অনিমক লাইবুং কারম্মো ইপাম্ব লাকলগে হায়রকলবদ, মচিল মৌপ্ৰানা মপাবু থুকল্লগা মযুমদা হল্লকই।

তরানিথোইশুবা মতাং

লৈ লাংবা

কুমসি কুমজাদি কালেনগী হমনি পানবা নিংথৌকাবা তুমিত্তা কুমজল থাজল্লগা নোংমতং তিংঙ থাংজীং হরাওগনি লৈরাং লৈহুল তমগনি হায়না লৈবাক শীনবা থুংনা পাউচেল্লে। তুমিং অসিদা থুম্বক

খুনথাগী লৈরোইহঞ্জবা খম্ব নোংবান অনিনা .হকলুবা শিঢেল লৈরাংশিং অহু চিংঙ্ থাংজীং খুয়াদা লৈরাং লৈহুল ভঙ্গা কেগে খুনজাউগনি মোইবাং ঙাহোং চাকহোংগনি লৈবাক নিংথৌ মরা তপ্না পানগনি খন্দুনা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্নমকস্সু তবা চাকঙল চাংগা মথরায় ঙংঙাইনা লাইবুং কানবকলে। চিংঙ্ থাংজীং হবাওবা য়েংগদবগী নিংঙোল মো পাখং লৈশাবী নহা অহল লমন থাক্তুনা মানা মানা পামজবা ফিজেৎ লৈতেং ভক তনাননা শেং চাদুনা লাক্লে। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী হরাও মথোই কানবা মুংঙই মপুং ফানবা মুমিং অসিদা লৈত লায়র অরাবা অশি অনা নংবা মীওই খরা নতনা কেগে লৈবাক্কী মীয়ামদি চিংঙ্ থাংজীং খুকম্বা হরাওবা য়েংবা লাক্লখি। অঙোম খদ্রাকপগী মপারি অথা বোংয়াম্বা বুংভিন ইহুন লৈংম্বা পামব কৈজেং লাংগুম মবৌ চাউবা নোংবান্দো নিংথৌফি মনাফি অমংশা রাংতনা অহনবা ফিজেং লৈতেং শেং চাবগা তালোয় মঙানা তুংদা থং মনাই শোবাগা লোয়ননা লৈ লাংবা লাক্লে। মোইরাং নিংথৌ পুরিংলাই চীংখু তেলহৈবা (চীংখুলেম্বা) মনাই মশন্না থোগল তোরগা মপু খোঙলেংলক্লে। ইবেম্মা শঙ্গাই ঙানবী মঙাস্সু থংলবে। রাঙ্গোন নিংথৌ চীংখু নহা তেলহৈবা (চীংখু অখুবা) য়াংবা নহা পাঞ্জম্বস্সু মশানৌ ইবেম্মা তরা মাথোইগা লোয়ননা থংলবে। রাঙ্গোন নিংথৌগী মমোমলোয় অমত্তা পোকপী থাদোই থোইনা পানবী থোইবীস্সু মনাই সেম্ন অচানবীগা লোয়ননা অয়ুক অঙনবদগী উতি শমথোংতেং চেংহী শম্বাললাং শকয়েং মিংশেল মাংদ-থা, মুবা ফিরেল লাক্তুনা খুগা নানবী কোংয়াংরা রাগী শমচেৎ তোনানবীনা শন্নাং মপুম খিরক্লে। কোন্দা কাইরেল ইগুম্বী, লুতুং তাবা শন্নাংনা তুংদা লেংপাক য়েনা থাদরে। শেলোই উচান মনাগুম নাপপা কুপপা শন্নাংস্সু শমবুম অমত্তা য়েংহন্দে শন্নাং অমত্তা চোইহন্দে। অউপ লাংগী মওংগুম লুমাং তাবা শম-লাংদো শিঙেল খম্বাল লৈরিককুম জুম জুম তারক্লে। হুমনি পানবা থাজগুম শন্নাংগী মরক্তা লোৎতুনা ঙাল্লিবী মায়থোং খম্বাল ফজবা

চেংলৌ শক্তমচু উবদা মিংকম হো'বা ঙমদবী য়েংবগী পেনবা নাইদবী মজাইবেম্মনি। সুরাগী পিগুম তোংদম তাববু য়েংলবস্থু খোইখোইবা খুংস্থু লিক. মওংনি। নিঙোলগী নাতোঙ্গ চিরাই অনিদা হুমাং ঈরিক কাবদি খোইদিং মপালগুম নীংথিজবীনি। কয়াংহেনগী হৈরাং হুয়াল অমুনবগুম ফজরবী চিনবাগী খুরুম মোমোন নোল্লকপদা তাউত্তিং কফোই মরুগুম য়াতোন লংনা ফজবচু মুংদাংদা চন্দন পরেং পাইবগুম্মীনি। মিংমৈনা শজি মিংতানি তথক শঙাই মিংয়েংনি মিংচিনা লিরৌ লাংথাকনীনি। শওং শাদা য়েংলুরবস্থু ঙকশম তোংদম তাবনা চেল্লা কাংগুনা তমজনিংঙাইনি। পাম্বোম তাথরকপনা থম্বৌ হেরা চমতবীনি। য়াংলেন মাগী লাইকালম শিনৌ লংচাককুম্বীনি। খুংচেং তাবনা ঙারা মম্মেনি, খাংনা লাংবন উচিখোইগুম্বীনি। খুবোম্না চোম চংবী লায়োন খোল্লি. খোঙনা খুরুম খোংদানি, খুনিংনা ঙাতেন ঙাগী মচিলনি। খুযানা য়াইঙং মচুনি, কুচুনা পুল্লে ময়োলনি। অগ্নি লৈহাও লৈরেলগুম্বী য়েংঙু য়েংঙুবা খুদিংদা অরাং অপা লৈতবী ফজবনা মশরুক ওইবী লেমজবদা তমনিংঙাই ওইবী মজাইবেম্মা খোইবীদো শক্লা চুগা চান্নবা পকচব ফিজেৎ লৈতেং শেৎ চারগা মনাই সেম্মুনা থোগল তৌদুনা হায়নখিবা মতুংইন্না মবুঙোতোন খম্ব ঙায়গে মপুক্রি'দা থল্লদুনা চমচেন ওকচিন পাংলক্লে। লায়রশঙদস্থু খম্ব খমম্নু মচিন মোপা অনিদো পলেম পম্বোনা থনম্বা চরৈ ফিজোল শেৎ চাদুনা লাইবুং কাগদবগী শেম শাবা লোইরে। মনজুনবা চরৈ নমথাংদা শেৎ-চাদুনা চমোংনবী লৈত-লায়রবগী রাথলনা মায়থোং কাহৎলবী কদিনা য়োম্বা সনাগুম্বী খমম্নুদো মশক্লা চান্নবা কুচুগা পক্নবা ফিজেৎ লিককোন শেৎ চারবদা হায়নিংঙাই লৈতনা ফজরে য়েংবগী পেনবা নাইদরে। কুচুনা সনা অহীংবনি চেং-লৌনা মেরা থাগী থাজগুম ঈংনা লংনা ফজবী খমম্নুনি। খম্ব মাস্থু মপা পুরেম্বনা থম্বিরম্বা মতিক মাপা চারবা অঙম অথৌগী ফিজেৎ লৈতেং মপুগী মনাফি থামেনচৎপা ফৈজোম রেশম ফুরিৎ শাইকফপা লিং-শিল্লে, শল্লুপপা কুদাম তরানিথোইনা থবাক লুরেন ঙাম্বোইরে।

শমজিন লিয়েং শলাইথোক কুমজেং লোংখুম তোম্নয়েং, নিংথমশা য়েম্নাউফি তুংদা কৌরপ থাদরে। শামু নাতোল মাল্লবা পাম্বোম য়েং ওইদা সনা খুজি তাল শিজিল্লে। উরিকশেক নোংইনখোন পেক্রক কৌখা শাবা খদাংচেং লোয়াম্বা ক্বাকলৈ মরী অঙৌবনা খদাং চুম্বুল লাকশিল্লে। ফিবম য়েংই রাত্তবা শাবান য়েংই নোপ্তবা শওং শাদানা চারাম্নবা নোং-শাগুম্বা লৈপুং রাগুম তাংজুম্বা ফিরাল রাগুম তানাপপা লোকম্নুংদা হৌবা পামেল উগুম নাচুম্বা খম্বদো নিংখমনে শমজিলনে, চারিনে লোইখমনে ফজরে নিংথিরে য়েংবগী পেনবা নাইদরে। অসুম্না মশক্কা কুচুগা চান্নবা মপানা থম্বিরম্বা ফিজেং লৈতেং ময়ামতু শেং চায়গা থমম্নুনা মাঙদা কৈরোইজাম্বা খম্ব মশেল মবাইনা তুং থংলগা লাকপনা লমলেন ওকচিল য়ৌরকপদা থোইবী সেন্নু মপু মনাইগা থেংনরে। 'মজাইবেম্মা য়ৌবিরম-লেদনা', 'ইতা ঙায়জরম্লিবনি' হায়না মপু মনাই অহুমদো হরাও হরাওনা কৌনত্নুনা নোকমিন্নজে'। কৈরোইজাম্বদা ওনশিল্লগা 'তাদা শেলুংবম্নু য়াওবিরক্লিবোরে' হংজবম্নু 'য়াওজরক্লি মজাইবেম্মা' খুমজে হরাওনা কৈরোইজাম্বম্নু। খম্বদা ওনশিল্লগা কৌজগে খনজরুববু ইকায়থৌবী মুজা ওইবীনা চিনবাল য়াকা তম্না কৌজবদি ঙমজদা থোইরুম মোমোন মী-নোক্লা মুংশি মিৎয়েং নায়েংনা লোম্না হুত্নুনা য়েংজবতু উবদা খম্ব মাম্নু মিৎচিনা পাউখুম পীজবদা পেনজৈ পায়মা মুংদা অনিস্নু। থোইবী সেন্নু থমম্নু অহুম্না মাঙ থায়গা মশেল মবাইনা তুংদা থৌগলগী মওংদা হরাও নুংঙাই য়াকাতম রারী শাত্নুনা লাইবুং কায়ক্লে।

মতম অসিমক্তদা চাউবা নোংথোম্না লাঙ্গোই শগোল তোংত্নুনা মনাই মুক্রামগা লোয়ননা লাকপদা কেগে সোরোক য়াংবীথক নোক খেত্নুনা মাঙদা চৎলিবা মথোয় মঙাতু উবদা মীশক খঙলবম্নু খঙশিন্নদনা রারকে খল্লত্নুনা লাউরক্লে অঙম্বা। "হায় কেগে মচা কনা কনানো ? থাংজীং লাইবুং' কাবদা নোকমাই হেকমাই কাত্নুনা করেম কথাইনত্নুনা চৎলিবা করিগীনো ? কেগে লমহেনবা মোইরাং লমহাইবা খিবিকপু রারক রাতেম্বা ওম্বা চাউবা লৈ কাউব্রা কেগে মচাশা ?" চাউবা

নোংথোনগী য়ারাদু তাবদা মখোয় মরিদি ইকায়ন্দুনা মায়থোং লাংশিন্না তাংজ নৌদা লুংথদুনা তুমিন তুমিন হেনরে. থোইবীদি শাওনিংঙুরবোই চিন্থক্কা খুমকসে। "ইপল নিংথৌগী কংলাদা নফম চাউনা নাইরগা রায়েন পরিংদি চুমদনা ঙাঙবা হৌনৈ ঙাঙলিবা মোইরাংগী মগ্রাইবা কনানো ? কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মুপাগী লম্বী তোপ্পা শেম্বরা, চুপীগী সোরোক তোঙান্না ফাংপরা, লৈম নিংথৌ মচা মগুং নহেল থায়না থে নবরা ? থোংমান্নবগী লাকমিন্নবনি থেংনরুবগী চৎমিন্নবনি, য়াংদৌ লম্বী তেন্নবা ররী শানবনি। লন্থেল তোপ্পা থায়না থমদবগী ইপল নিংথৌগী নাক যৌরগা নখৌ খঙদবা অঙম্বা নফম লৈথোক্কে থোইবীগী ইতিক খঙহনগে ?" অম্ম্না অপনবা লৈতনা খুমকপা মজাইবেম্মা থোইবীগী পাউথুমদু তাবদা শ্বাই লাউনা কোকচাউবী কারবোই অরেন্দদা হায়জরুরে থল্লকলে চাউবদো। কেগে লৈবাক মীমাঙদা ইকায়বা নংদুনা তোক্লরনি পায়মা মুংদা থন্দুনা মুংশাখীবগা লোয়নদনা তফিং তফিং থোইবীগী নাক্তা চেল্লক্লে। "মজাইবেম্মা ওইবিরবোই খঙ্গ্রে অহল ওইবনা নপুনা রারৌবিগমু হঙ্গংচৈ চাউবনা"। 'হাইমা ইপু নোংথোল ওইরেকো' থুমজে থোইবী মাম্মু। 'ননাই নপুনা লাপ্পা উজবদা থম্মোয় পেন্না মুংশিজদুনা করেম্নজবনি পায়মা পুকখা লিনথা থাবিগমু মজাইবেম্মা। তুংথা মাঙথা লাকপিয়ু কেগে সোরোক য়াংবীথক লেম্নবগুম য়েংকা ওইগা লেংবিরবউ, চিক্লোকনা লাইবুং কাবিরকউ, ননাই নপুনা থোঙজিন্দা ঙাইজরমগে হায়রম্নগা চাউবা লাঙ্গোই শগোল থৌদুনা চৎথি। থাংজীং লাইবুং য়োশিল্লক্লবদা ফৈরোইজাম্বনা মজাইবেম্মা মাঙ থাগৎপিরো, ননাই ঐখোয় তুংদা সনা থৌগল তৌজরক্কে হায়রক্লবদা থোইবী সেন্নু মপু মনাইদো মাঙ থাগৎথি। খম্ব থোইবী অনিনা লাকমিন্নবদু অরাপপদা নোংবান্না উহৌরদুনা কেগে লমজা মচাগা লৈমা নিংথৌগী মচা মস্থগা লাইবুং কামিন্নরবদি মোইরাং কুমসি কুমগাংগনি কেগে অরা তুরৈ চনগনি হায়রকপা নোংবানগী রাঙাংদু তারদা চাউবা শাউরে। মচিল ময়া হেনবা কেগে মচা কনানো,

নরাম্থু পোৎবিরোইদবদা থনাং চোক্লবা করিগী রাগাম পাউয়ামলিবনো চৈরকপা মপল চাউবা নোংথোলগী য়ারাদু তাবদা নোংবান রা মখা তাবা ওমদনা মক লুক্কুনা লৈখি লাইবুং য়োরবদা থোইবী লাই খুরুম্লগা ফমফমদা চঙহনা ফমগ্রে। খম্ব কৈরোইজাম্বা সশেল মবাইস্থু মাগী মাগী মতিক চানা মফমদা ফম্লগ্রে। খমনুদি ফমফম খঙ্গবদগী চেন্থনা মীয়াম মমাঙদা ইকায়বা থাঙহনা মরু লুক্তুমা লৈরিবদু অয়াঙ্কদা চাউবনা উরহনা নিংথৌদা হঙ্গংলি। নিংথৌনা তরেৎ তয়া থোক্লা রাখল ভৌরগা ইমোম লাংলেন থোইবীগী য়ে তা খুমন চমু খমম্বু থৌগল ওইনা ফমহল্লু হায়রক্লবদা চাউবনা মনাই গুক্রাম থারক্কুনা খমনুগী ফমফম তাকলে, থোইবীগী য়েংতা ফমলে। মদু উবদা রাজোল নিংথৌনা শাউহনা চাউবা নোংথোল কৌশিল্লগা হংবদা ইনিংথৌগী সনা য়াথং মতুং ইন্না নজাইমেম্মগী থৌগল তৌহনবনি খুম্লক্লবদা রা মথা তাবা ওমথিদে।

নিংথৌ মচিল মনাও ফমলবা অঙম অথৌ শুনা তিল্লবদা চাউবা নোংথোলনা নিংথৌগী সনা য়াথং লৌরগা খুনথাগী লৈরোইহঞ্জবা মপারি নোংবানবু কৌশিল্লগা চিংঙু খুয়াদা শিঙেল লৈহল তমলো হায়রক্লে। নোংবাম্না মানা হেক্লকপা শিঙেল লৈয়াম অদু পুশিল্লগা থাংজীং লাইমাঙদা চঙলক্কুনা অমাইবী হঞ্জবী লৈত্রা কৌরকপদা তাদহুন। খুমলকক্রবদা নোংবান শাউরে, অহুমলক হম্না কৌরক্লে। অমাইবী হঞ্জবী থোরক্কুনা ইমা লৈরে খুমজবু ননা তাত্রা তুমহুনা লৈত্রা চৈথিরে লৈবাক মীয়াম মম্নাঙদা। নোংবানবু ফিবদগী শাউনিংলবস্থু মচিল থোক্না খুম্বা ওমজদবী মাইবী হঞ্জবীদো মথরায় সুংঙাইথিদে। অমাইবীনা নোংবাম্না হেল্লকপা লৈয়াংগী মরক্কগী ফজবা লৈরাং থল্লগা থাংজীংদা কৎতুনা খুরুমজে। চিংঙু খুয়াদগী লৈ মপোপ থরা লৌথোক্লগা লৈ লাংবা নোংবান্দা পীরে। নোংবাম্না লাইদা কৎপা লৈরাং অদু লৈয়ামগী মথক্তা হাপচিল্লগা মপুগী নাক্তা চঙলক্কুনা নবুধৌগী লৈমজনি হায়না ফজরবা লৈ মপোপ অমা থল্লগা নিংথৌদা পীরে। ফজরবা লৈরাংগী লৈশক অদু উবদা মশিঙ্গেলগী কোলোয় মখিং হংবিরক্লে মপুনা। নদাইরেম্না লাংজরিবা

লৈরাংসি ঙাইবোংথেলগী লোকমাওদা লৈরাং লৈশাং তমখিবা থাংজীং চীংমায়দা ওংখিবলে. লৈরাং লৈথোক্লা পিকপা শিঙেল লৈতোম্না পুংবনা মালংনা য়েন্দ্রে হুম্বদা লৈরাংনা ওইদা চেংপালে, খজোম্না ওইদ্রে হুম্বদা শিঙেলনা য়েংলোমদা থাওজবা লৈ, মালং মমাঙ থাওমদ খজোন মমাঙ লেপওমদা নোপ্পা হাইনা খাওজবী ইমা শছু লৈনি নদাইরেমগ' বোলোয় মিংমান্নবী কোংয়াংলৈ লৈরাংনি ইনিংথৌ"। নোংবানগী য়ারাম্বু ভাবদা মুংঙাইদা কোংয়াম্বা ! নওগা কোলোয় মিংমান্নবা কোংয়াংলৈ লৈরাংসি চেংবদা নীংখিজৈদা হায়না নিংথৌনা পেনবিরদুনা মনাইদা পানা খুদপ পীবিরে। শঙ্গাই ঙানবী মঙাদসু ফজবা লৈ মপোপ অমমম পীরে, হরাও হরাওনা লৌরে। মথংদা রাজোল নিংথৌগী নাক্তা চঙশিনদুনা অতোপপা লৈ মপোপ ফজরবা অমা খল্লগা নবুথৌগী লৈমননি হায়দুনা পীরে। ফজরবা লৈরাং অদু পায়রগা কোংয়াম্বা। ঙসি ঐঙোন্না লাংলিবা লৈরাং অসি উবদা ঐগী পায়মা খৈনা পেল্লে অঙম্বা। শিঙেল কোল্লোয় কয়ি কৌবগে হংলক্লবদা 'মনাওইবুঙোনা ধরায় ভানা চিনবি-রবদি ফমথোল কাবা য়াবা লৈরাংনি শিঙেল কোলোয় মমিংনা খোয়োন খন্ন হুইখৌবগী ভাপোয় লৈয়েংহনবী অহনগী মুপা থম্বলৈ লৈয়েংখুবী অতোম্বীগী মোমমু য়াইবী মাঙবলৈ মরীং লোইবী হাওবনা পাম্না থাই হায়বগী হাওগী মিংথোল লৌরগা লৈরাং হাওরৈ কৌই খুমজৈ নোংবান্না। মুংঙাইদা অচানবা, য়াম্না নপাউ ভাবদা পেল্লে হায়না রাজোল নিংথৌ মবুঙোনা পানা খুদপ অমা নোংবান্দা পীবিরে। মথংদা খোইবীগী মম. তরামাথোইদা মথং মথং লৈ লাংলে। লৈয়ামদগী ফজরবা লৈ চরোং অমা খল্লগা মজাইবেম্মদা পীবদা থোইবীনা পামদনা পামশিন্নবা শাদুনা মনাই সেম্মুদা ওনশিল্লগা "হাইমা সেম্মু অচানবী। নিঙোল ওইবী ঐখোয়দি চীংদা কাদুনা লৈ হেকপা ঙমদবনিনা অপাম্বা খল্দুনা খরা য়াম্না লৌরগা নিঙোলগী মোলাং থাদা থমজগে খনববু লৈরাং চরোং অমত্তা পীবিরবমিনা লৌরুদুনা কান্নদে, লৌজররোইদা" হায়না মমায় ?লথোক্লে। খোইবীগী য়ারাম্বু ভাবদা 'নত্তে নত্তে মজাইবেম্মনা

পুক্নিংনা থোয়দাবহু খল্লগা লৌবিগদবনি, উনবি পুক্নিং খওদবগী তৌবনি রারৌবিগম্ম মীয়াম থুংদ্রবসু ভোকসহু হায়না নোংবান্দো মথরায় পুংভাইজরবোই নোক্না নোক্না লৈ হাপ্না য়েন্দাইহু চেপথরক্লে। সেমুনা লৈয়ামহু ফিগাউ শানা ওকচৈ। থোইবীনা মমায় লৈথোক্তুনা লৈরাং লৈমন লৎনবহু অয়াং লৈমা পাম্বোইবীনা উহুনা খেংয়ুম পায়মা মুংদা থোইবীবু রারৌখি। সেমুনা পানা খুদপ অমা লানবদা নোংবান হরাওনা লৌজৈ। অসিদগী মপা অঙোম খত্রাকপা, চাউবা, থোংলেন-নচিংবা অঙম-অথৌ ফম্নাইবশিংদা মথং মথং লৈ পীরগা মমৈথংদদি অমুক য়াম্বা মীয়াম্ম, মীপুম থুংনা চংতুনা য়েনবা ঙম্বা হৌনদে খল্লহুনা অরেম্বা লৈশিং অহু খুবাম খুবাম লৌরগা মীয়ামগী মথক্তা চাইশিল্লে। মহু উবদা ভিল্লিবা মীয়াম্না ফজদেদা নোংবান নঙনা লাংবা লৈ চিন্দ্রগা পৎকদবসু নত্তে, লাইগী লৈমননি খন্দুনা পাম্বনি হায়না মীয়াম্না শাউনখি। নোংবান লৈ লাংবা লোইরহুনা মফমদা চঙহুনা ফমখি।

ঙাহাক লৈরগা চাউবনা নিংথৌগী য়াথং লৌরগা খুম্বক্কী লৈরোই-হঞ্জবা খম্ববু কৌশিল্লগা লৈ সেংলুরে হায়রে। খম্বনা মানা হেক্লকপা লৈ হাপ্না য়েন্দাইহু পুহুনা চঙলক্লগা লৈ কংপা য়াগত্রা হংজবদা অমাইবী হঞ্জবীনা পারি ইবুঙো ইমানা লাইদা হৈ চনবা হৌরুরে, মিকুপ খরদং ঙায়খো হায়রবদগী খম্ব লাইমাওদা হন্দোক্লগা খুরু খুদক কূন্দুনা লৈখি। মতম অসিদা থোইবীসু মনাই সেম্মুগা লাক্লগা হৈরাং কৎক্কদবগী চঙকপদা খম্বগী মত্তৌহু উবদা নোক্লিংলুরবোই 'হা ইমা মাইবী! খুম্বক্কী তাদা লৈরোইহঞ্জবসি লাই লমলাম্নকরমানে তাইরেন মশানা অমুক্ত ফংদংপিয়ু মমিং মনা শিংনবা' হায়রকপা থোইবীগী য়ারাহু তাবদা খুম্বা য়াদবা মতাং থোকখিবনা খুম্বনা শাউরপ্না মমায় হাইগংলকপহু উবদা রারৌ-বিগম্ম তাদা হঞ্জবা হায়রক্লে। থোইবীগী রাতাহু তাবদা খম্ব অমুক মরু লুকথখি। লাইদা হৈ চনবা লোইরহুনা মাইবী থোরকপদা থোইবীনা ইমা মাইবী ঐনা পুজরক্লিবা ভাউজিং হৈরাং অসি খরা কংপিয়ু হায়রকখি। মজাইবেম্মনা পুবিরকপা হৈরাং অসিগা লৈরোইহঞ্জবনা

পুবকপা লৈরাংগা পুন্না কৎমিন্নরগে খনববু মজাইবেন্দগী সনা পুক্লিংদা করি চিংনবা লৈবগে হংলক্লবদা মতুমক্তি ঐগী থরায়না পামজবস্মু খুম্নকই হয়াওনা থোইবীনা। মপুক্লিং চঙনা মবুধৌ থুরুম্নমলগা থোকখিত্নুনা থোইবী ফমফমদা ফমখি। মাইবীনা খম্বগী য়েন্দাইদগী মরোং তরাতরেৎ পানবা মেলৈ লৈস্না মুংজুন্না কদাম্বা লৈম্নুংশি কৌবা লৈরাং অতু থাংজীংগী কোল্লুদা থেংলে। মরোং তরাতরেৎ যাংবা লৈরাং অমনা কোয়রেল লৈমদা থেংলে। শিঙেল লৈশক হেনবা লৈরাং চরোং থেৎপদা ইবুধৌ ইবেধৌ অনিতু মায়থোং মকা লান্না মোমোন মোমোন নোকপগুম উবদা মীয়াম হয়াওনরে। মাইবীনা হৈগা লৈগা অনিতু চিংঙ্ খুয়া খাদা কৎলে। লৈমন অতু লৌথোক্লগা লৈ লাংলুরো হায়তুনা খম্বদা পীরে। খম্বনা লাইগী লৈমন অতু য়েন্দাইদা য়াওরিবা লৈয়ামদা হাপ্লগা মপুগী মাঙ তান্না চঙশিল্লক্লে। 'ইমিংথৌ। নবুধৌ থাংজীংগী লৈমননি লৌবিসি' হায়না চরোং তরাতুমদোই পানবা যজরবা লৈরাং অমা খল্লগা নিংখৌদা পীরে। নিংথৌনা ফজরবা লৈরাং অতু পায়রগা "ইদাইরেম অচানবা! শিঙেল লৈথোক য়েংবদা খুবোম তোংশা মানবলৈ, লৈরাং লৈনা তাবনা তাউবা চুইলৈ মানবলৈ, লৈরাং লৈচু য়োংলগা সনা অহীংবা মচু মাল্লিবা, শিঙেল লৈওনমুংনা নাকোং থোংজাওরেল মাল্লিবা, লৈশক্লা পুক্লিং মুংওনবা লৈরাং অসিগী কোলোয় মমিং ফরি কৌবগে" হংলক্লবদা খম্বনা লৈরাংগী কোলোয় মমিং নদাইরেন লমজাদি খঙজদে ইমান চাউবদা হংবিয়ু হঙৎলবই। খম্বগী য়ারাতু তাবদা চাউবনা করি য়ারানো মাকলৌরেম নথুংনা হেক্তুনা লাংলিবা লৈরাংবু লৈরাংগী কোলোয় খঙদবা হৌনদে। পয়মা মুংদা চিংনদনা মপু খুয়া খাদা নঙনা খঙবা লৈরাংগী কোলোয় হঙ্গংলু হায়রকপা মমান চাউবগী মপুক্লিং থোগৎপা য়ারাতু তাবদা খম্ব মথরায় মুংঙাইরে। "ঐবু লোইবা লৈমীবা ননাইবু লোইবা লাইনিংথৌ! য়োম্লবদা কনবিয়ু লাল্লবদা ঙাকপিয়ু। কুমজা কয়াগী মমাঙদা হৈরেম খুনজান লমদমদা হৈরেমগী মুংজাম্বা অথোবা খুনজানগী কদাম্বা পাঙ্গনবা

অকনবা অনি অসিনা মলম লমথৈ লমমুন্নবদা মথুংস্থু ভিমেন তা পায়রগা হৈরেম খুনজান মপুংয়াই লমলেন মুংঙু লৈমনাইদা তা চায়নখি। তানা মশা মশাদা পান্নবা ওয়্রবদা অথোৌবা অনিদো খুংকা খুংকা পায়নহুনা পান্দোমগা পান্দোমগা ওানহুনা ওাহাক ইন্নরম্নগা হাও মুক্তা লেংকাইচল মোংবা তাজ্জিন খুরো য়েংনহুনা হন্নবা লৈতনা নম্নবদা তরা চাখিদে লাইজ ঈশিং থকুখিদে। অহীং খুংথিল খাক্তনা অরা পোথা লৈতনা নমনবকপা নিনি চনবা মুগিত্তা অথোৌবা অনিদো য়াইবী মথরায় থানখি। অথোৌবা অনিগী শমু হকচাং অহুবু হৈরেম খুনজানগী মীয়ামদা লৈরোল চান্ন হৈবেম পুংমা থোন্নে খুনজান থেনমা থেংলে। পুং মথক্তা হৈরেম খুনজান মীয়াম্না শাহোং লানহোংলে হরাও কুম্মে তৌরে। অথোৌবা অনিনা নোংমনখিবা পুং অহুগী মথক্তা তলা অরাংবা পামেল নাচুম্বা উনিংথৌ পাম্বী অমা হৌরক্লে।

পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ লোইনাই থৌরানথাবগী মশানৌ অতোম্বা মেনম্না মুংয়াং চাউবনা হৈরেম খুনজান লানফমদা থরাল হাওবা খুল্লাকপহু লানফা ওইনা ফারগা তলা পামেল উজাউদা পুন্দুনা থমথি। ওল্লকপা চহীদা থরাল খুল্লাকপা শাউখিবনা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা লোইপোৎ কারক্রে। মৈতৈ নিংথৌ থৌরানথাবগী মনাও ইবুঙো মেনম্না মুংয়াং চাউবনে তাইদে অমে স্থুজা অথোৌবনে অনিনা লোইপোৎ থোৌবা লাকপদা মরো চাউবা থরাল খুল্লাকপনা মরোই হাওয়ামগা লৌতুনরগা অহীং তাংশৌ অথেংবদা নিংথৌগী মনাও ইবুঙোবু লোন্না ফারগা হাংখি। মেনম্না মুংয়াং চাউবগী তাংজ লুরেনতোনবু হৈরেম খুনজান পুংগী পুং'থক্তা হৌরিবা তলা পামেল উতোন্দা য়ান্দুনা থমখি। লাইনী নোংদমদগী নোংমদোল লাইজ লিক্লানা পাখংগী কোকলেন থক্তা থিকপদা উরাংদা য়েংলিবা চোইনা তাবা শম্লাংদো মরা কুমশিং লোল্লক্লে। মনা হুমাই অনিনা শিঙেল লৈনা ওইহুনা নাকোং থোংজাওরেলনা লৈরাংগী লৈয়োন ওইরগা মিক্রেং সনা থম্বালনা শিঙেলগী লৈশক লৌরগা তলা পামেল উতোন্দা লৈরাং ওইনা শাৎলক্লে। মৈতৈ নিংথৌ ঈরেমথাক

শানৌ লৈরাং অতোম্বনা কংলা ফম্বাল লাংবগুম পামেল উগী উতোন্দা কোয়ৌ মেলৈ লাংভি হায়বগী মেলৈ থোক্লে। মেনস্নাগী মমিং লৌরগা লৈস্না কৌরে। সুংজুম্বা কদাম্বা অনিগী মমিং কৌদুনা সুংজুম্বা কদাম্বা লৈ হায়নরে। লৈরাংগী অপুনবা শিঙেল কোলোয়না মেলৈ লৈস্না সুংজুম্বা কদাম্বা লৈমুংশি মিং থোক্লে। অস্তুম্না লৈরাংগী কোলোয় মিং থোনখিবগী য়ারীদো তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌদো পায়মা থৈনা পেনবিরবোই মনাইবু চিনা য়েংলগা অচানবা, নঙগী য়ারীসে তাবনে, শিঙেল লৈশক উবনে পায়মা থৈনা পেল্লে। মতম নত্তনা শাংপা মেলৈ লৈস্নাবু হেক্লগা চিংগু থাংজীংদা লৈ লাংখিবসি হয়েং চারোল স্নুরোল কাওবনা খঙনহৌনবা গুসি কেগে লৈবাক মীয়াঙদা নহাক্নী নমিংবু 'মেলৈ লাংবা' থোক্লগে হায়না নিংথৌনা মদাইরেম খম্ববু সুংশিবিবা চানবিবদু উবদা চাউবা খোংলেন্দা নত্তনা লৈবাক মীয়াম পুম্নমক্স হরাওনখি। থোইবী সেম্নু অনিনা হয়াওবত উবদা খমম্নু মাস্নু খম্মোয় পেম্না মুংঙাই-জখি। নিংথৌনা অতৈ ফজবা লৈরাং কয়ম্বা য়াওরিনগে হংলক্লবদা খম্বনা মবোং তয়ানিথোই পানবা অতোপ্পা লৈরাং অমস্নু খল্লগা নিংথৌদা পীরে। লৈশক হেনবা লৈরাংদু উবদা লৈরাংগী কোলোয় করি কৌবগে হংলক্লে। "ইনিংথৌ! থুমন নোংগাপাম্বনা মপারি মমোম পোকচগে খল্লদুনা থুমন পোকপদা য়েরুম অমা কংচৈ। কাইরে য়েনগী মরুম অদু পামেল শম্বি থক্তা থাজংতুনা থম্বদা কোয়ৌ মৈশালাং কুমগী নোংলিক য়ৈবকপা লাংহৈ কুম ওল্লকপদা য়েরুমদু থুমু য়েন্দমচোং মরা কুমশিং লোন্দুনা পামেল শয়ি উতোম্না লৈরাং ওইনা শাংজক্লে। লৈরাং লৈথোক পিক্লবা শিঙেল লৈতোল পুংলবা লৈরাং অসিবু য়েরুম্না ওনবা লৈনি হায়বগী লোইদাম নাউম্না য়েরুমলৈ হায়না কোলোয় মিংথোনখি" হঙংলক্লে। মুংঙাইদা অচানবা য়ারা নপাউ তাবদি। নপা পুরেম্বনা থেংথিবা লৈথেংকম চুম্না লৈরাং থেংচয়ো তাকপিরবদা খম্বনা চঙশিল্লগা নিংথৌগী কোকথোম্দা লৈরাং চয়োংদু থেংলে। মদুদা মপু মানা পেনবিরবোই মনাইদা চরৈ নমথাং পীবিরে, লৈবাক মীয়ামস্নু হরাংনরে।

অসিদগী থম্বনা শঙ্গাইঙ্গানবী মতাদা লৈরাং লৈমল অমমম য়েল্লগা মনাও ইবুঙ্গো মথংখম্বগী নাক্তা চঙশিলক্লুনা য়েন্দাইদগী ফজবা লৈ চরোং অমা খল্লগা পীরে। মসিনা লোইরক্রা করম্বা ফজবা লৈরাং অতৈ য়াওবিবগে হংলক্রবদা থম্বনা লৈরাং পম্বেং অমা লৌথোক্লুনা পীরে। লৈরাং লৈচল শুম্বা লৈথল নাইনা লেংলবা লৈরাং পম্বেংছু উবদা ইমোম লাংলেম্মা লেংবা মানখ্রেদা' হায়রক্রবদা 'মানি রাঙ্গোন নিংথৌ ইবুঙ্গো' থুং হৈ খংস্থ। ইমোমনা করম্বা মতমদা নমজা নয়ুমদা লাক্লুনা লৈ লেংবগে হংলক্রবদা নমোম ইবেম্মা মথুংমক্তা লেংবমক্তি নাত্তে। লৈমরোল ময়াম কাং শাম্নবদা নমোম্মা কাং কাম্নদা শুক্তা থোনবা লৈ পম্বেংছু অত্থ ওংতুনা চংক্রবদা ইচেম্মা খুনজিম্লগা ফিজিদ ফিত্থনা পুবকই। শুরাং লৈ শেম্বা লোইরগা পম্বেং অমত য়াওগে থন্দুনা ইচেম্মা ফকতোমদা য়ান্দুনা থম্লিবা অমনবা লৈ পম্বেং অত্থগী মওং মতৌ লৌরগা লেংবনি। নমোম ইবেম্মনা লেংবা পম্বেংগী মওংছু লৌরগা লেংবছুদা নমোম্মা লেংবনি হন্নংচবদি থুম্নকলে খম্বনা। অননবা লৈ পম্বেং অত্থদি লৈশ্বিত্রা হংলক্রবদা থোঙ্গনা থুংনা শোকনি কিত্থনা মৈ থাদোক্লগা তাংঙ্গোই অত্থস্থ ঈশিংদা থাদথ্রে থুম্নকপা খম্বগী মরিক চুম্বা পাউথুমছু তাবদা রাঙ্গোন নিংথৌ রা মথা তাবা ওমদছুনা মায়থোং থেগুম লাংশিম্মা মক্ত শুক্লুনা লৈখি। খম্বনা থোইবীগী মমা তম্রামাথোই অমদি অঙম অথৌ ময়ামদা লৈ লাংবা লোইরগা মপা থোংলেনগী নাক্তা চঙশিল্লক্লে। রাঙ্গোল নিংথেগা রাহৈগী লাল থেংনবদা মপাম্লিনা ঙাংখোরকপা রাঙাংনা রাঙ্গোন নিংথৌবু মায়লীবা পীবছু উবদা থোংলেন পেল্লবোই 'পারি শাঙ্গৌ' হায়না কৌরগা খম্ববু কোনবিরে। থোংলেন্না খম্বগী অনৌবা মমিং থোনবছু তাবদা চাউগা নুংঙাইহৈজে। ইপা ইবুঙ্গো, কোয়ৌ নোঙ্গানথ্রবা পম্বোগী ফমফম তাকপীয়ু নপাম্নি লৈহুল শুমখগে হায়রক্রবদা থোংলেম্মা তাকপিদা মতুংইন্না খম্বনা মপা পুম্বেম্বগী ফমফমদা লৈরাং লৈহুল তম্লগা নোং থোংবগুম কপলক্লে। লমজাগী মতৌ উবদা তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমকস্থ মম্বিংতা পিগী ঈরাং হৌনখি। খম্বনা তিল্লিবা মীয়ামগী মনাক্তা

চঙহুন্না লৈ শাংবা লোইরহুন মকবদা ফনখ্রে। নিংথৌগী য়াথং মথু ইং চিংঙ্ থাংজীং লাইমাংদা লৈসরোল ময়ামা নিংঙোল মৌগা লোয়ননা খেঙ্‌না জংগায় থুংখেক কৎলকলে। অমংইবা অমাইবীনা চিংঙ্ কোলোয় শঙ্‌না অগোয় শাহুন' হবা'ও মপু' কাহল্লে। থম্বা থোইবী অনিনা চিংঙ্ লাইমাংদ জগোয় শান্নিরবদু উবদা নোংবান পায়মা কুংদ খে য়ুগাউবে, হৌগংহুনা চংপদি য়াংবনিনা মমায় লৈখোক্লনা য়ানা থাওখি। মুনিং অংদ চিংঙ্ থাংজীং হবাওব লোইরহুন ময়ুংন পুন্নমক হবাওনা মযুম মযুমদা হল্লখি।

তন্নাহুমদোইংবা মতাং

পানা লমজেল

চাউবা .না খোম্বা মমাক খম্বু পাগী পারেপ কংমবা পুগী পুরেপ য়োনবা পানা লমজেল মকোক হাপকে থম্মহুনা লৈবাক মীয়াম তিনবা সুমিত্তা মপু মোইরাং নিংখোদা হজংলি। 'ইনিংথৌ কেগে মোইরাং ঐংখোয়গীদি হিয়াং তান্নবা কুম্মে য়াদবনিনা মুঙ্গা, কাংজৈ, লমজেল নত্তনা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা অচৌবা হয়াও কুম্মে অমত্তা লৈত্তে। চহী তংবং লমখোইবা পাম্নি নোংবানগী লম্বা চাবা লৈতবনা কুম্মে য়েংবা মুংঙাইতে। নদাইয়েন থম্বা অসি মনাও ইবুঙো য়াঙ্গোন নিংথৌগী পানা মকোক হান্নিরগা নোংবানগা লমজেন তান্নহল্লবদি লৈবাক্না কুম্মে য়েংবদা মুংঙাইগদ্রা থনজৈ ননাইনা"। চাউবা নোংথোনগী য়ায়াম্বু তাবদা মপু পুক্নিং পেনবিরবোই ইদাইয়েম থবগী মতিক মথৌনা ঐদি থওনিংবা কুইরবনি। লৈবাক্না কুম্মে য়েংবদা মুংঙাইনবা অওবনা ফনবা অহুম শিনবিয়ু হায়রক্লে। হমক নদাইয়েম থম্বা নোংবান অনিনা চেনগদৌরিবা লমজেল অসিদি হয়াওবগী লমজেল নত্তে, লম্বান লমজেলনি, হায়রবদি

পান লমজেলনি। মরম অসিগী নুবাম্বা লমথাপুংগী লমজেল থাবগা কংলাংগী
শা পাম্নবদু ইভাও পুবেং। হাক্কন্তা নুবাম্বাগী মঙতা ভোরবুং নমথা
পুংদগী লমথাম্নবনিনা কুমসিদু নহুদগী লমথাংবা থৈবগে ইমেংক্কাল
চাউরে। মাগী মাচ নিংথৌনা য় বিরবদা লৌশিং শিংবা চাউবা নোংথোমা
থম নোংবান অনিবু মপুম্না মাওন্না কৌশিল্লগা হাংচিং ইভাওগী নিনি পানবা
নুমিৎশিদা পানা লমজেল চেন্নবা থৌমাং ভৌরো, মপু য়াথংনি হায়না
লৈবাক মীয়াম মমাংদা লাউথোক্লে। থম্না কংলাংগী কুম্মগা মচেংদা
হবাওনা লমজেলগী পাউদু তম্মৈ। মহুনিংথৌগী য়ারাদু ভাবদা মচেম
থরগুদি নীপা ইয়ে মথদা য় রারে। ইহুনি থৌ নঙদি নহা ওইবনা কেগে
মীবক তিন্দবনা থওরবনি। মোইরাংগী পান লমজেলদি থোড়য়াংবনা
চেনগদবা নত্তে থুংকনবনা চেনবা লমজেলনি। য়াবদি নোংমাই য়াও
কগনু। লমজ। নওনা লমজেল চেনগনি হায়রিবসিবু ইং। থোংচেন ইকু
নোংথাম্নবু থামজ্রনে লায়রবা হায়রকপা মচেমগী য়ারাদু ভাবদা থম্বা
হোয় মাই পাওখুম পীব। ওমদনা নীংবা কায়ত্তুনা মরূ লুক্লা ইমুংদা চত্থি।
গোপরাগী মথমংয় মুংতাইতবা মায়থোং নীংবা কায়বা মওং মতৌদু উবদা
থমত্তু মান্নু মপুকনিংদা থোয়য়াংলে। নুমিৎতু মথা তাবা রাকম অমতা
কাংথেংক্লদনা তরা চারগা থোমলেন য়াত্তানখি। রাঙ্গোন নিংথৌনা
কংলাদগী কুম্মগা মমোম লাংলেন থোইবী কৌথোক্লুনা থম্ববু থুককী
পানা মকোক লমজেললোই হায়দুনা হংচিং নোংবানগা পানা লমজেল
তাম্নগনি পাওদু তম্মা মজ-ইবেম্মা থোইবীদো মথরায় মুংতাইজখি।
অহৌং নোংশোইবা তুমদবমথৈ মনাই সেক্কগা রাত্তানরগা নোংঙানবগা
থোইবীগা মনাই সেন্নুপা লোম্না মমা মপা থওহন্দনা লৈ পরেং অমা পুরগা
লায়রশংদা থংলরে। মজাইনেম্মনা হয়াও হয়াও চওলক্লুনা, থুমন চন্নু
ইভাবোই! হয়েং নহুনিংথৌনা পংঙোগী থুক্কক পানাগী লমজেললোই
ওইত্তুনা পানা লমজেল চেনবদা লৈ পরেং অসি শিহনবিয়ু মিতোলনা
কপাগী পানানি মশক থওনা লমথৌজগে হায়না মতা থমহুদা লৈ পরেং
শিন্নরমগা মপু মনাই হনখি থাবা য়ারাবোই থিংহনা কায়রবোই

খঙসন্থনা থমমুনা মহুনিংথৌবু চিংনা য়েংলগা "ইচেম্বগী ইবুঙো ইহুনিংথৌ। হয়েং নত্তাও নোংবানগা পানা লমজেল চেনবা তারবনিনা চেকশিল্লু মরৌ চাউবা নত্তাওনি। ইপাগী মিংচৎ মথৌনা মঙ্গেং তাদনবা চিংগু থাংজৌং লাইবু চেৎনা থাগোম্নজৌ" হায়রক্লে মচেমনা পুকমেন পাও-মেন্নবিরবদা নোংম্নাই মথরায় মুংঙাইববোই রাবিগম্নু ইচেম্হল চিংগু নোংদমখোল লাক্কনি থুমলক্লে। লমজেলগী য়ুথং ফংবদা নোংশান্দি ময়ুম হেক যৌবগা থিন্দনা তমথা মু।া তয়েং চাক খাওহুনা খবনা লম.জল চেল্লকপদা পুল্লেপোকপীদা থংপিয়ু হায়না তয়েং শেঙ্গা পীহুনা লেক্লে। কংজাওপোকপীদা শগোল তোংবা তমব লিপা মহাদনা কাজৈ বাংহ পায়রগা লম্বীদা খম্বু থৎলু লমজেল চেনহংগম্নু য়াদ্রগা ফুদংলু হান্নমু পুথম মঙা মঙা পীহুনা শিন্দোরগ্রে। লমজেল চেনগদবা নোংমা ম্নাংশিঙৈদা চাউবা নোংথোম্না তমবা মুপা কুম্থগা মনাই মুত্ত্রামগা লমজেল চেন্নবা লম্বী হাইদোকপা থাবি।

কেগে ইমুং ঙাল্লকপা মোইরাং শোরা হেল্লকপা লমজেল চেনগ-দবা মুমিংকী অমুকী য়েন্দা অঙনবদা চাউবা নোংথোম্না লাজোই শগোল তোংহুনা মনাই মুত্ত্রামগা লমজেল চেনগদবা লম্বী হায়দোকপহু য়েংবা চৎখি। তমব মুপা বুম্থানা জশোংবা নাপি শিংবী হাইদংতুনা অকুংপা মেনশিন্দুনা লমজেল চেনবা য়ানবা ফাংলিবহু য়েংল য়েংলহুনা লাকপনা চাউবা নোংথোন তোরবং য়ৌরে। লমজেল চেনগদবা মুমিং-তুগী অমুক অঙনবদগী কেগে মোইরাং লৈবাকী অহল লমন মুপী নহা পুন্নমক থবক ইনথাং শুবা নোম্বদা খোয়জংনদ্রে, তরা চকহেল চারগা পানা লমজেল য়েংনবা শেম শাহুনা লৈনখ্রে। চহী কুমজা তারং লমখোইবা নোংবান অথা কোংয়ানবা তরা চাকহন চারগা কৈথেল লাকপা মরি পুনগা মথা পাংনা কুমথরক্লে। থদম্নু অয়ুকী চাকহেল চারগা পলেম মমা শক্রবী মচেমবু থুরুম্নগা থেংগ্নে হন্দুনা হাণ্ড হাণ্ড লাকপদা ঙবাং থোইবীনা শিয়ু পীরদা লৈ পরেং অহু পুবা কাউ-রমলে। অরাম্নদা থম্বা লাকপা উবদা নোংবাম্না লক্লাগে থম্নহুনা

কৈথেলসাকপা মরিদা য়াহৈ খরা য়াপাংবিম্ব য়াচৎপম্ব য়াদ্বিরে। লমলেন শবোংপুংদা কমছুনা নোংবান্দো খম্ব লাকপা ঙাইছুনা লৈবে। মতাও নোংবান উবদা খম্বদি ইতাও উনবা মুংঙাইরেদা হায়না হয়াও হয়াওনা নোংবানগী নাক্তা চঙশিল্লি। 'হতোও খম্ব তরা চাকচল চারগা লমজেল বুম্মে থেংবা দাক্লিবসে ওস্নোক্লা খবায় য়াওরেদা" লমজেল চেনগদবা ঐ কাপবা ঙনমল্লিমানে খন্দুনা মকম অসিদা পোথারমলিবনি" হায়বকং নোংবানগী সারাহু তাবদা খবদি করিমত্তা নাচুংবিদে। "ইতাও ইবুঙো থেংথিনবসি হোগংলো ইয়াম্বশিংম্ব মুরে খরা খুনা চংনবদুম তৌবসি" হায়বাক্লে খম্বনা। "ইতাও নঙদি ঙরাং কংলা ঙম্ন কুমথিবনা তাহৌদবা ওইরিনি। লমজানা পানা লমজেল চেন্নবদি নোইবা কুমথি কুংগাংগলি কেগে চাকতাং ঙাতাংগলি, নিংথৌ মকম শিনগল্লি হায়না মীয়াম্না চিবোন চিবোন ঙাঙনবহু নিংথৌগী মনাদি কল্লরেদা থেংলি হায়বহু চুমম্রে, মপু মানা তারছুনা খুদক্তা ইতাওবু খুঙক পানা মকোক লোথোক্লগা হায়নগী পানা মকোক ইয়াম্বা ঙাবি নানোংম্লরেদা অমুক হাপত্রবনি। ইতাওদা পাউ পীননবা লোইশঙমচা থোপুবা অনিথক থাদিবহু ইতাওগী যুমদা য়োরক্তবরা" হংলক্লে। নোংবান্না মরিক চুন্না শেম শাদুনা ঙাঙবহু কাগিনি খন্দুনা শাউগন্দনা খম্বনা মনাদা হাপথিদে। "ইতাও ইবুঙো য়ারেম ঙাঙছুনা কান্নম্রে, চংভুম চংলসি থেংম্রে" হায়না মতাও নোংবানগী খুংজেং পায়ছুনা চিংথৎলুরে। মানা শেম শাবা য়ারাহু খম্বনা থোশা য়াশাদবা খওই য়াওইদবা মওং মতৌহু উবদা নোংবান শাউশিন্নরে। "নিংথৌগী য়াথং য়াওদনা লমজানা পানা লমজেল চেনগনি খল্লিবহুবু ইমান পুরেম্বনা থোল্লম্বা লম্বী অতৈ লৈছুনা লনাই ওইনা চেনগদৌরিবরনে ইতাও" হায়রকপ নোংবানগী করেম্নবা য়াঙাও মী উশিংতবা মওং মতৌহু উবদা অমদি মপা পুরেম্বগী মদিং পনবহু তাবদা শাউগন্দবা খম্বদো শাউরক্লে। 'ইতাও নোংবান! নপাগা ইপাগা মমাগা ইমাগা নঙগা ঐগা লাম্বা পানবদা নঙনা কবিম্ব হেনগদবা লৈতে। ইতাও নোংবান

নত্তিক নংগোনা চৈংবদি খাউ মখুদা হঙ্গৎনকসি" হায়না নোংবানগী মথুংক্লেং থায়দুনা লম মচা বাক তিংই নোংবান থাই কৈথেল লাকপ মবিনা থারই। থংনা নোং 'নগী খুৎচে' থাদোক্লগা কৈথেল লাকপা মবিদা ওনশিন্দুনা য়াথাংথোং ইনিংথৌগী যাথং তাংহৌবা হংবদা ঐথোয়স্তু কংলা ভয়া কুম্বনা মখুগী যথংকি শাহৌদ্রু, নম্বৈদা লাকপদা চাওরাংহৌযদি ভারকই, থুংলকপা কৈথেল লাকপগী য়ংরাড় তাবদা মখুক্লিংদা চিংনবা পোতুনা থখুং থইবোই শল্লদুনা ইকায়-বনা মক লুক্কন বা মচেং অমত্তা ভাওনা থম্ব নীংবা কায়দুনা মখুনবা হল্লক্লে। থম্বনা হনগ্রবদা নোংগালি মথবায চংডাইনা মখা পান লেপ্পুবা লাকপনা চাউবা নোংথোম্বা লম্বী য়েংনুবগী হাইগৎ-লকপদা কৈথৌ লমজাউদা থেংনরে। চাউবন নহাউ থম্ব উবদ হংবদা উদে থডাপ খুমই নোংবান।

থম্বনা মথওয় চুংডাইদনা হঙ্কক সি অরাম্বদা মচেম খমন্নুন উবদা ভরাং মঙ্গাইবেম্মনা পীরম্বা লৈ পরেং অহু কাউরমহুনা লৌব লাক্লিমানে থল্লভুনা হরাও হবাংদ', "ইচেমগী ইবুঙো নোংমাই, শম্ভু নমায় ওল্লকহু চৌহেদে ইচেম্মা লৈ পারেং পুনক্লে হায়ন তফিং তফি চেনশিন্নক্লুনা মহুনিংথৌগী মঙকশংদা লৈ পরেং অহু হুকপিরে মচেমগী মমাঙদা ইকায়বনা থম্ব তাংজ মায়রুক্কনা লেপ্পুনা লৈরে ইহুনিংথৌ নতাও নোংবাম্মা ভাইরমঙগনি থেংথ্রে চৎলো হায়রকপা মচেমগী য়ারাহু তাবদা থম্ব থাওবা ভমলক্লুবোই নমিংত্তা পিগী ঈর হৌদুনা "পলেম শকপী! কেগেদা লমজানা পানা লমজেস চেল্লবদি লৈবাক নিংখৌ অরাবা তাগনি হায়না ভরাং অথেংবদা নিংথৌনা লমজাবু খুম্বক পানাগী মকোক লৌথোক্লে হ.চনহল পম্বৌগী য়াথং মতুং ইন্না মুংশিজরবা ইচেমবু ইবাই কৈরে হজাম্বদা শীম্মরমলপা নহু-নিংথৌদি নোংয়াই; ইপালম খুমন ইপুলমদা থোঙশানথ্রগে। লৈত লায়রবা পিতং পাওংপগী লৈফম লৈত্রে কেগে মোইরাং লৈবাক।" হায়রক্লে। মহু নিংথৌগী মপুক্লিং মুংশিবা য়ারাহু তাবদা থমহু ভক্লে।

'ইচেমগী ইবুঙো লায়রবনা! পাউ অসি কনানা হায়বগে" হংলক্লবদা 'ইহাক নোংবালম্না হায়বনি, কৈথেলোকপা মরিনস্থ শৈদা তাঙনহৌবা হায়রক্নি' হায়না ভমজে খম্বনা। মচুনিংথৌগী য়াম্নাচু তাবগা খমনু ইশি শিনা নোকখুনা "মুংঙাইদা উহুনিংথৌ! নঙনদি খঙদহুনা ইহাক কৌহুনা নযুকচেন তিংনা মুংশিরি। নোংবানসে নুংশিনবা পাথৌ মরূপচা নত্তে, নহাক্কী য়েক্লবা নত্তাংদনি পায়মা ছুংদা খক কউরোইদনি" মাগী মরা লৌহুনা লমজেল তৌরগে খল্লিংদু তৌকপা য়দে উহুনিংথৌ। শঙং শাদা য়েংলগ, পথৌ ইপা মল্লি কুচু কুথেন উরগা পলেম ইম মাল্লি খন্দুনা ইচেন্না মুংঙাইজরুবদি পলেম পথৌনা লাঙোন্দবনা নপাঙল কহুবস্থ নথৌনা লৈবরস্থ নরৌশিংদি য়াংনবোইকো লায়রব? ইপা থোংলেন ইমান ইবুঙো অনিগী মরা নপাক লৌরচো। অশেংবচু খঙলগা চৎলবস্থু ইচিন ইপা পুন্না খুমন্দা চংমিন্নসি" হায়রক্লে অম্তুম্না ভাঙনরিদৈদা চাউবা নোংথোন লাঙোই শগোল তোংহুনা তোরবুংদগী হাইগৎলবপচু মচিন মৌপানা উরহুনা খম্বনা চেংহোরগা মমান চাউববু অহুমলক কৌহুনা পগোল থামজে। শগোলনা কন্না চেনবগী মথোলনে, মালং মুংশিংনা য়েবগী শাউমনে খম্বনা কৌবচু তাদহুনা চাওবনা হেন্দোক্খুনা শগোল থৌবচু উবদা মচিল মৌপানা তারিবা পাউচু চুম্নমানে, ঐথোয়গা উননিংদহুনা থৈদহুনা চেল্লিবনি খল্লক্লে। মচেমগী য়াথং লৌরগা খম্বনা মমান চাওবগী শগোল মতুং ইন্দুনা তাম্নরকপদা মাঙদা চেল্লিবা লাঙোই শগোলগী মৈতোল পায়হুনা থংচিং চিংবদা চেল্লিবা শগোলচু থাওবা ভমদহুনা খুমাং অনিচু থুরু থুদক কুম্থরবদা খম্বনা চোংশিল্লুনা শগোলগী মথাদা কোয়গা ফাহুনা থাম্বদা চাউবা শগোল মথক্কী তাগে তৌরম্বচু তাবমক্তি তাখিদে। খম্বগী মপাঙল মথৌনা উবদা চাউবা পেনবদা লোইশ্রবোই' "মুংঙাইদা মাকলৌরেন! করিগীনো নঙনা চেল্লিবা শগোলবু ফাবদি নথৌনা উৎলিত্রা, নপাঙল চাং য়েংলিত্রা" হংবিরকলে। "ইমান ইবুঙো! য়াংলৌ লম্বী ওয়রে নমাকী থবাক অসিনা কেগে সোরোক ওইরগা লঙোই শগোল থৌবিয়ু। কেগেদা লমজা

শৈহৈত্রে মোইরাংদা শারা থবিরগনু'' হায়না মিংলু নাপোম অদিদা ভরং লাইজ শিন্থরকপা খম্বগী মায়থোং উবদা চাউবা শগোলদগী কুমথরগা মমাক্কী নাক্তা চওশিন্নরে। "লমজাও পানা লমজেল চেল্লবদি কেগে কুমলি কুমগাংগলি, নিংথৌ মকম শিংগৎলি হায়দুনা নমাবপু পানা মকোক ক্লৌথোকপিরে। লাইককথৌনী ইচমসে ইবাইদা শিল্লকরগা নমাক্তি থুগম্বা থৌজলগে খম্বুনা ঈমানবু ওয়াবজরমলিসনি'' হায়রবপা খম্বগী য়ারাত্ত ভাবদা নোংবানগী থুডিক খৌসা ওইরমগনি খঙলবদা চাউবা শাউনিংবনা লুত্তোন কাপ্পরোই মনাই মক্ত মদা শগোল পুশিল্লকই হায়রকলে। মকু মথাক অনিদো শগোল অমমম তোংলগা অশম্বা চৈনা কাংথা পাংলকলে, মপু থুযা থাদা থুকল্লগা চাউবনা হন্দংলকই। ইনিংথৌ লমজাও পানা লমজেল চেল্লবদি লৈবাক নিংথৌ অরামা ভাগদি লাকদবু ইনিংথৌনা যাবিবতুনা খম্ববু খুম্বকী লমজেলালাই ক্লৌথোক্ল পসি নোংবাল্লা তম্বা পাউহ্ ভাবদা ইকায়বদগী মোইরাংদা লৈবরেই থুনদা মচিল থোপ্পা চংলগনি লাকপন্থ ননাইনা লমখাদা থেংনদুনা মপুগী নাক্তা পুশিনক্লবকপনি। চাউবগী য়ারাত্ত ভাবদা মপু মাস্ত ওকলে অহম্বা। মহুনা অচুম্বা ওইবদি রানবনি পানা লমজেল চেল্লবম্ব, নমাক খম্বগ মথুনদা কমদুনা লৈহৌরলো। হবেল নোংবাম্বা লমজেল চেক থুংবগা থুম্বদা মনা পীরগে' ভাক্তপিবকপা নিংথৌগী য়াথং ভাবদা থম্বা চওশিং-লক্কুনা নপুগী মাঙদা কোয়াং য়াপূম ভাবহম খুবম লা। "ঐগী লাইবা লৈমাবা, ভাঙোই লৈবাক মপুরেস। নদাইরেম লমজা কুমসি লমজেল ভয়গা ওল্লকপা কুমজাদা পানা লমজেল চেনভগে মপুনা নোংদমবিয়ু'' হন্দংলকলে। মহাক্কী য়ারাত্ত ভাবদা পায়মা লৌশিং শিংখা চাউবনা হাপাংলতুনা "ইনি থৌ ! নদ ইরেম থম্বসি অকোকপদা মনা লৌজো য়াত্রব নিনা নোংবানগী মতুং ইন্দুনা লম থঙনবা চেংভরক্লু মপুনা থৌজানবিয়ু'' হন্দংলকলে। চাউবগী য়ারাত্ত ভাবদা নিংথৌনা ভাংমৈবা কৌশিলক্লগ নোংবাম্বা লমজেল চেন্নবা কুমথিবা পুজা কয়া ভুরবগে হৌংবদা পুজা অহুম ফাঙ্গে হন্দংচে' অহুদি নোংবাম্বা থুংলবা মতুং পুজা

অহুমগী মমু'দা খম্বনা থ্'লবা ঙমলবদি নমাত্তা মনা পীরগে তাক-পিরে। মপুগী য়াথং ফংলবদা মকু মমাক অনিদো নিংথৌ খুরুমলগা হয়াও হয়াওনা থোরক্নে। চাউবনা মুক্রাম থাহুনা মপারি কৈরোইজাবা কৌগম্ব্রগা নশেল অঙাং থাদো'ক্তনা কুপ্পা শেম্নৌ, কেগে কল্লক চাউবনি মোইরাং মীহৌ কনবনি হায়না পুকমেন পাওমেন্নরমলগা চাউবা মমুমদা হনখি।

অসিদগী খম্বনা মবাই কৈরোইজাম্বগা লোয়নননা খো'বাপ লাউনা থাংহুনা তোরবুং মায়কৈ পা'লক্নে। কংজাওপোকপী লান্দুনা খুদেকপী য়োরে, খুমত্রম মরোংলৌ, পুলৈপোকপী মথং মথং লাক্নুনা তুরেল লু য়োরকপদা 'নোংবান্না মপা হুড্রাকপগী লমথাপুংদগী খুদুপ অনি হই-গংলগা লৈই চিংহুনা লমজেল চেনগদবগী খুরু খুদক কুন্দুনা লৈবা, কৈথেললাকপা মরিনা তাইরেল পুংফাই পায়হুনা লমথাগদবগী শেম শাবহু উবদা কৈরোইজাম্বনা "ইয়াম্বশা কেগে নোংবানবু লমথাখিম্ন মপুগী য়াথংনি" লাউরকপহু তাবদা নোংবান্না 'ইয়াম্বশা, লমথারো. থিল্লে লমথারো' হায়না হন্না হন্না হায়রক্লবদা কৈথেললাকপা মরিনা লমথারে। নোংবান্না লমজেললোই তরুক্লা লোয়ননা চেনথংলকপনা মশেল মবাইগা তুরেল-লু রাংমদা থেংনরে। 'চেনবিরম্মু ইতাও। অয়ুক্তা ইচল মঙানা থেংলকপা শিঙেল নাচোম অহু কোরৌ মৈশা লাংহুনা লম্মথাংদা তাহৌবা শিঙেল লৈরাং অহু ঐনা তোরবুং য়োকরগা হল্লকপদা খুল্লগে লাংজেং নমৈ রায়না থৈনা নতুং ইনজরকে। ইতাওনা কংলা শামাঙদা চিংঙ্ লাইশা পাব্রা অহুদদি ইমিংনা উবা ফংজগে' হায়রকপা খম্বগী য়ারাহু তাবদা 'ইতাও ইবুঙো। ঙাইনা ঙাইনা চেল্লমগে' হায়না লেপ্পা লৈতনা চেনখি। চিংঙ্ থাংজীংগী থৌশিনবু কনানা খঙবা ঙমগনি। মাও থানা চেল্লিবা নোংবান্দো চেনবা মঙম শানখিদে। মশেল মবাইনা লেপতনা কুমথরকপদা লম্মথাংদা কৈথেল-লাকপা মরিগা থেংনরে। খম্বনা হায়জবহু মথোয় মরিনা য়াবিরহুনা হয়াও হয়াওনা লাকমিন্নরে। তোরবুং হেক য়োবগা লমথাগদবগী শেম

শারক্লে। থম্বনা অঙোম খগ্ৰাকপগী লমথাপুংদগী হায়থরগা মপা পুরেম্বগী লমথাপুংস্তু শোক্তনা অনিগী মরক্তা লৈই চিংহুনা মায়কৈ ঙাকপা লাইরাম খুকমলগা খুক খুদক কুম্থরে। ইবাইদি নোংবানগী লমথা-পুংদা ঙাইবিরম্মু লাঙ্গোই শগোল মতুংইন্না নশেল তান্নজরক্কে হায়জবহু কৈরোইজাম্বস্তু য়াবিরে। থগ্ব লমথাহুনা চেনখৎলক্লে মমাঙ থানা চেল্লিবা মবাইগী শগোল তান্নরক্লে। থম্বনা মবাইগী শগোল মমাঙদা লম ভরুক হেনগংনা চেনবহু উবদা ফৈরোইজাম্বনা শেলৌরেল, লম লাম্নি হাগম্বু হায়না শাজৈ নমথা থাহুনা শগোল থৌগৎলক্লে, খগ্দি মোইরাং তুরেল লু লান্দুনা চেনখৎখ্রে। মানা তোংলিবা শগোলহু তুরেল লাম্নবা চোংহনবদা খুমাংনা লৈরাইদা খুহুংনা তুরেল খোংজুংদা তাশিন্দুনা শাবল পুক্লি তংতুনা ঈশিং মনুংদা কৈরোইজাম্বা লোংনা তারে, শগোলহু নাম্থোক্কুনা চেনখ্রে। কৈরোইজাম্বনা চেনখিবা শগোলহু তান্নহুনা ফাবা লাক্রিদ্রৈদা থম্বদি ফোগাকচাও ইথাই হেন-খিহুনা পুলৈপোকপী মাঙওইনরক্লে। পুলৈপোকপী হেক য়ৌরকপদা নোংবান্না চাক থাংহুনা তরেং শেঙ্গা পীহুনা নেবখিবা তমব মুপা তরেংতো চোংথোরক্কুনা মপাম্বোম তিংহুনা লম্বী থংলক্রবদা থম্বনা অকিবা লৈতনা কম্থোক্কুনা চেল্লক্লে, মখোয় তরেংতো ইশি শিনা নোক্কুনা লৈহৌরে। মতম অসিদা মাঙ থানা চেনখিবা নোংবান্দি তেরাখা য়ৌখিহুনা মকম অহুদা লৌ লিংহুনা লৈরম্বী মুপীশিংদো নোংবান্না লমজেল চেল্লকপহু উবদা লৌ লিংবা লেপ্পুনা য়েংনরক্লে। মহু উবদা নোংবান নাপল কারহুনা 'পলেম মানবী ইমাখোয় চহী কুমজী তরেং লমথোইবা নোংবান ঐনি নমিৎ পেম্না য়েংজৌ' হায়না 'নাপল' য়াওনা লাউরকপহু তাবদা খুনথাগী লৌশিংবী মুপী মথৈদো শাউনরে। 'কেংগে নোংবান অথৌবা নয়াংথোক্কী নয়াংথোক, নথোই থোক্কী নথোই থোক কুমসিস্তু নথা চিক্কুনা থোইনবা চেনজৌ লৈবাক মীয়াঙদা ইকায়বা নংজনি' হায়বিরে লৌশিংবীশিংনা। ঙাহাক লৈরগা থম্বনা চেনখৎলকপহু উবদা লৌশিংবীশিংহুনা মথৱায় য়াওনা পারি মানবা

নোংয়াই খম্বা চেনখৎলো কংলা শা পাযনা ঙমজবে' ইমাংখোয়না লম্হেল থোংগ চেনখৎলো চেনখৎলো হায়না লাউবিরক্লবদা খম্বা মথল্লায় মুংঙাইনা অল্লাবা খঙদনা চেনখৎলকলে।

খম্বনা লেপ্তুনা নোংবানগী মতুং ইন্দুনা চেনখৎলকপনা পুক্সেপোকপী তুংওইনরে। ওকলো লাল্লগা কংজাওপোকপী য়োরকপদা নোংবান্না পুথম মঙা মঙ' পীহুনা নেক্লমবা লাঙ্গোই শগোল তোংবা তমব মুপা মঙাদো মথুক্তা কাংজৈ কাংহু অমম্ম পায়রহুনা শগোল থোদোবল্লগা খম্ববু পল্লোন শানা কোয়শিন্দুনা লম্বী থংলে। ইয়াম্বশা লম্বী থাদোকপিয়ু হম্না হম্না হায়রজবদা য়াবিদ্রবদা খম্বা তৌফম খঙদহুনা লৈতোংদা যম্হুনা লৈরে। শগোল তোংহুনা মশেলগী মতুং ইনয়কলিবা কৈরোইঙাম্বনা মশেলবু শগোল তোংবা মঙানা লম্বী থংলিবহু উবদা লাউরকই, "শেলৌরেল ইবুঙো! ইবাই লাকলে ঙাইরমখো' ইবাইনা লানজিং থংলকপনি, ইমান থোংলেম্ম' লাননিং থোম্মলকলি, লমহেনবা মোইরাং মচাশিং অতু থোঙনা ফংবনা থোঙনা কাও, থুংনা ফংবনা থুংনা যু, ময়ামমক কাবা ঙমদ্রবস্তু অমতংদি ফারম্ম মরি মখোং খঙনবা" হায়না লাউরু লাউরহুনা শগোল পৌজিলকলিবা কৈরোইঙাম্ববু উবদা লম্বী থংলমবা শগোলতোংবা তমব মুপা মঙাদো শমজি থাইহুনা চেন্নখি। মাবু থংলম্বা শগোল তোংবশিংহু চেনশ্রবদা খম্বা অপনবা লৈতনা অমুক চেনখৎলক্লপনা কৈনৌ তুংওইনরে ময়াই যগলাম য়োরকপদা মমাঙ থানা চেল্লিবা মতাও নোংবানবু উরকপদা খম্বা মথল্লায় মুংঙাইনা তাননা তাননা চেনখৎলকপনা লাইগা লম্বাল তুংওইনরে। শেদাং চেংফুলৌ, মকু হুইজোলৌ, থাবং নেমবাই লৌনচিংবা তুংওইন্না থনম্লগা কোন্দে শঙ্গাইলো ওইওইননা চেনখৎতুনা ময়াই লম্বাল য়োরকলে। লাইগা লাম্লে, মৈকামবী তুংওইনরে, হুইয়ামপুং হিয়াংহুম য়েৎওইননা থন্মগা তাঙখোং লময়াই য়োরকপদা মমাঙ থানা চেল্লমবা নোংবানদো তান্নবা ফংলবদা নোংবান মুংশাথীবা হৌরকলে। খম্বা নোংবান অনিদো শয়েংগা শয়েংগা পামবোমগা পামবোমগা ঙানহুনা পাবোং যণগী মওংগুম মানা কৈদা হেনগনি, ঐনা কৈদা তাগনি মতাগুম

মিংয়েং কারন চন্নবনা ভাউংখাং লময়াইদা চেনখৎলকপহু উবদা নোংবানগী তালোয় মণ্ডাদো ফম্নমবদগী হৌগৎলকতুনা থৌরকলবদা নোংবান মথরায় মু ডাইগ্রবোই লম অমা খম্বদগী হেনগংনা চেনখৎলি। অসুম্না পানা মকোক অনিনা তান্না হিরেনগী মতৌগুম চেনখৎনরকপহু উবদা নোংবানগী মমা খুরাইজাম্বীনা মুংশা থিরবোই ফমহুন কুম্মৈ য়েংবা ভুম্ত্রহুনা হৌগৎ লগা "পারি নোংবান অথা কোয়ামবা, ইহী কুমজা তরেৎ লমথোইবা ইমা লমজেল থোগ পারি চেন্ন" হায়না পলেম মমানা চৌনা অমুক লমজেল থৌরকলবদা নোংবান খম্বগী খুদুপ অনি হাইগৎনা চেনখৎলংসু মশা পুমবদি হুমানা পুমচোৎ চোংলে, নিংশা শোর চনি দা পুবা ভমলক্রহুনা ফইনা হোল্লকলে। খম্ব নোংবান অনিনা লমজেন চেংগৈপাৎ য়ৌরকপদা লাইশকচাউবী খমনুনা মুংশিজরবা মহুনিংথৌবু চিংনা ন্নে লগা "ইচেমগী ইবুঙো নোংযাই। শামা পাঙল চাউববসু পাখং শরেপ ফারবসু অঙাং নাউরাগুম খন্দুনা ইচেম্না লমজা নফমদা অফনবা রাহৈ অমত্তা হায়দ্রি, নথৌদাং অমত্তবু পাংথোকউ থৌদাদ্রি। পিক্ত শকেম পম্ভৌ শেৎনবনা লায়রবা নঙবু ইচেমগী ফৈবা তাজিনখক্তা পমহুনা ইনজন্দা পোহুনা পলেম শক্তা ইচেম্না রানা য়োকলকপগী লমনহু কেগে লৈবাক মীমাঙদা ঙসি ইচেম থৌরগে ইহুনিংথৌ শিংবা শকচরো। ইচেম লমজেল থোগে ইহুনিংথৌ চেনখৎলু, নোংয়াই চেনখৎলু" হায়না খম্মোয়দগী হৌরকপা পিগী ঈরাগা লোয়নবা খোনফম্না কপ্পুনা মচেম্না থৌরকলবদা লমজা পাঙল হাপগ্রবোই মতাও নোংবানগা মান্নরা চেল্লম্বদগী থগাই অমা হেনগৎনা চেনখৎলি। অসুম্না অথোবা অনিদো রাবা খওদনা শিবা কিরনা শয়েংগা শয়েংগা পামবোমগা পামবোমগা ভানবঙম নিংশা শোর থবেৎ থবেৎ হোননহুনা চেনখৎনরকপনা খোয়োম কৈথেল লাল্লে, ভাংখ লম্বী য়োরকলে। লম্বীগী নাক য়েংতা লমজেল কুমৈ য়েংলিবা মরাম পুন্নমক্তো মমিৎ কুপনদবমথৈ য়েংনরকলে। মতম অসিদা মজাইবেম্মা থোইবী কম্নমবদগী হৌগৎলক্তুনা 'ইপাগী পানা পামবোম ওই রিবা অংখৌবা রাবিগমু, চেনখৎপিয়ু নিঙোলনা লমজেল থৌজরি'

হায়রকপা থোইবীগী সুংশি মপাউখোল তাবদা খম্ব খুদুপ অমরোম নোংবান্দগী হেনগংনা চেনখৎলি। মাপা তাম্বা কাওরেল ষণগুম্বা নাইতোম চংপা ওকলেন লাবগুম্বা খম্ব নোংবান অনিনা মিংশা শোয় ফুইনা ফুইনা হোমহুনা তান্না হিরেনগুম চেনখৎলকপনা লাইমৈতা লাল্লগা মৌনাউতা য়েৌরকপগা মমায় নোংপোক পাংনা চেল্লগা কেগে কংলা শঙলাংমৈ তন্না মমায় মথা পাংনা অমুক চেল্লক্লে। মতম অসিদা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুন্নমকস্থু মমিং কুপ্পদনা য়েংনরক্লে। নিংথৌনা মদাইরেম অনিবু চিংনা য়েংলগ, ইদাইরেম অনিমক চেনখৎলকউ' হায়না:কৌবকপগা খুদুপ মঙা রাংবা খম্বনা চোংখৎতুনা খুদুপ তরেৎ রাংবা চিংঙ লাইশাগী য়েংথংবা চীরেন থেক্কলে, নোংবান্না তুথরগা শাগী মখোঙ পায়রে মতম অমত্তদা অংথৌবা অনিদো। মীয়াম্না শা পায়বদি মায়খি, কনানা লমজেল থোইবগী মনা ফংগদৌরিবনো হায়না নিন্নরক্লবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা চাউবা নোংথোল য়েংলগা 'কেগে নোংখোন অঙস্না কনানা শা পায়বা হানবগে' হংলক্লে। 'ইনিংথৌ! খুদুপ তরেৎ রাংবা লাইশাবু খুদুপ মঙা রাংবা খম্বনা চোংখৎতুনা লাইশাগী য়েংথংবা চীরেন থেক্লবনিনা নোংবান্দগী খম্বনা খুদুপ অনি হাল্লি' হঙ্গৎলকপা চাউবগী য়ারাহু তাবদা তিল্লিবা অঙম অথৌ ফম্নাইবা মীয়াম পুন্নমক্কো রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙবা ঙমদনা তুমিন তুমিন লৈনখি। চাউবগী য়ারাহু য়াবিরহুনা নিংথৌনা হুমিং অহুদা খম্ববু 'লমজেল য়াংবা' কৌখি, লনজেলগী মনাস্থু পীখি। খম্বনা লমজেল থোইবগী পাউস্নি তাবদা থোইবীনা খমনুদা ওনশিন্দুনা 'ইতা লায়রবী! নহুনিংথৌনা লমজেস থোইরমানে' হায়রক্লবদা 'লাইনিং পরৈ চেৎচবী মজাইবেম্মগী পায়মা পুক্লিং উবিহুনা চিংঙ থাংজীংনা কুবিরবনি' খুমজে খমজু হয়াওনা। খমনুগী পাউথুমদো তাবদা মজাইবেম্মগী থম্মোয় পেনথবোই 'সেম্ব অচানবী, ইতা লায়রবসে ইথা থাজদনা রাঙাং রা-তাগা য়াম্না হৈরয়েনেহৈ হায়রক্লবদা মপু মনাই অহুমদো মথরায় তানা নোকমিন্নজে। খম্বনা লমজেল থোইবগী পাউ তাবদা নোংবানগী

তালোয় মঙাদি রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙনদনা মকোক থুমহ২না ময়ুমদা হনখি। থুম্বক পানানা চহী তরেৎ থংন থংননা পানা লমজেল পোবহ কুমসি কুমজাদি থোইরবদা রাঙ্গোন নিংথৌ মাস্থ হরাওজরে, লৈবাক মীয়ামস্থ মুংঙাইজরে। রাঙ্গোন নিংথৌনা মদাইরেম থম্বু মুংশিনা কোনবিবা উবদা নোংবান ইকায়রহ২না মরু লুক্কনা হনখি, হুম্দিংতুমা মহাক তুম্বা চাবা চঙখিদে।

তরামরিশুবা মতাং

কাও ফাবা

নিংথি ঙাংবা পামহৈবা যণনা পুরেম্বগী য়ুমদগী চংথ্রগা রাঙ্গোন নিংথৌগী য়ুমদা থুকুম যণ কৌহ২না মতম থরা যোক্কনা লৈরম্লগা থম্বনা যণ শেনবা হুমিং অতুগী অহীংদা থারিবা কোনফে থদেম্লগা মোইরাং থাদোক্কনা চংখি। যণনা খোরদাক লান্দুনা লফুপাৎ কুমদম-শোই শমহ২না তুরেল অচৌবা লানখিহ২না পুমলেন্দা মতম থরা লৈরম্লগা অমুক চংখিহ২না খরুংপাংতা তাখি। খরুংপাংতগী সেকমাই তুরেল লান্দুনা ইকোপ লাইপল শোইদা লৈখি। চহী কুমজা ওম্লকপদা যণহ মথেল কারক্লে, মথক্তা উচেক রায়া পাইবা য়ারক্রে। শেম্বাং, হয়িং খোইয়াং অমতং মনাকোং ময়াদা ঙংবদা হাংকদবগী তাম্নরক্লে। রাহিনা লৈম্নুংদা খোংজবৃ যণগী মানবী চীরেন অতুম্বনা হাইগাইবদা লৈপুং উপুং থগায়রে, কুমদি লৈকং হোগায়রে। থুমন ইকোপ লমদমদা শা যণ অমত্তা চাক্তাবা য়াখিদ্রে, মনাক হেক নকলুবগা তাম্নহ২না হাং-তোক্লে। থুমনগী যণ য়ামদো মাবু ঙিবদগী যণজাবুংদা থাদোক্লদ্রে, ময়ুম ময়ুমদা পুন্দুনা থম্নরে। থুমন মীয়াম হৌহ২না যণ মাবু তাম্লবা হৌজ থেংখাং মরিরক শুরে, অহুবু মাবু তাস্তোকপদি লায়রহ২না যণনা হাংহুনা শিব! মী মশিং ফনা রাম্লক্লে। থাঙ-তা থুংস্থ থুংলায় অমত্তা

চঙদে মঙোন্দা, মানা কিবা কনাশু লৈতে। ইকোপ্পা কুমহুনা ঙা ফাবা য়েন্নাং কেঙোই হেকপা ঙম্মদ্রে তুমিৎ য়ুরান ফাওবা মনীং ঙম্মা পাইবা য়ারকদ্রে। খুমন কনা অমত্তুনা পাংত্তা তাদ্রবদা ঈশিংদা লৈবা লেমলৈ ঙানা মখে লাংলক্লে, মথক্তা পাইজবা উচেক ফাওবা চোংখৎতুনা লাকদৌরে। লেমলৈ ঙাথি ঙাত্তানবা য়েন্নাং কেঙোই হেক্লুনা নোংম নোংমগী চাবা তানজবা লৈত লায়র কয়াস্থু ইকোপ্পা কুম্বা বিবদনী চারা হেনবা য়াওনরে। খণ থেংনগনি কিবনা নাইতোম চংনদ্রে মপাল খোক্লদ্রে। অসুম্না খুমন লৈবাক্তা কাও ওল্লবা খণ অসিনা ওং নৈরকপসি চহী কুমজা ফারকলে লাংহৈ কুম ওল্লকলে।

নোংমা খুমনগী ঙা ললোনবী মুপী অহুমথক্তা মাগী মাগী ইঙ্খোন্দা থাবা মনা মশীং খরা পুবগা হি তোংহুনা লোক্তাক শমহুদা লাকলগা মোইরাং অউন কৈথেন্দা য়োনবদা মতা মোইরাং চম্বশিংগা ইকোপ্পা চাক্তারিবা খণ অহুগী মরমদা রাবী শান্নবহু নোংবান্না লাকপদা থেংনরুরে। নোংবান্না খুমন মুপী অহুমদো লোন্না কৌথোকলগা মী উবা য়াদবা অঙাওবা খণ অহুগী মরমদা কুপনা হংলক্লে। খণগী শওং শাদা, মওং মতৌ, মচু মমেন রাং চাউবা পুন্নমক শুগায়না খঙলবদা নোংবান মথরায় মুংঙাইববোই ঈশৈ ঙংল ঙংলহুনা থাংজীং লাইমাঙ তান্না লাকলে। 'ইবুধৌ কুমসি কুমজাদি তোরবুংগী য়াওরৌ শানা চিংঙ্ শরেন চনবসি লৌবিরমু। লমলেন ইকোপ পাংতা চাক্তাবা মরেং পোপু থোংদ্রিবা মনম চৈবুল থাদ্রিবা কাওহু ফারগা ইবুধৌদা কংনবা ননাই নোংবান শীনজগে' হায়না থাংজিং লাইবু থুরুম্নীগা নোংবান মযুমদা হুন্নক্লে। লমঙেন্দা মায়থীখিবা মুক্তা কাংঙেদা চোম্না নংখিবা মবৌ চাউবা নোংবান্দো মতাও খম্ববু লায়গে ওম্নগা য়াইবী মথরায় লৌহুনা লমন খুমগে খল্লহুনা মযুম হেক য়োৗবগা ঙাওশিন যৈভিংরে, নাশিন্নরে, চান্না হেন্নে লাইজ ঈশিং নংতনা করিগুম্বা অচা অথক অমত্তা চাখিদ্রে। অঙোবা চরৈ ফিশেং শেংতুনা মী পোং কনা অমত্তা শোকহন্দনা মনাক্তা মী নকহন্দনা মতোমদা লৈন্ত্রে। মচাগী রাঙাং শাঙাং তৌথোরকপা মওং

মত্তৌহ উবদা মপা অঙোম খুম্হৌ থম্রাকপহ মু শা থিরহনা মাইবা মাইবী হৌরগা ঈরাং চাবান থাদুনা অনা লাইগুং খঙনবা হোংনবদা লাইখাই ঙাদহনা লায়েংযম থঙদহনা ঙাংএ। অসুম ঙাওশিল কৈজমনা নাশিরবিরা নোংবাম্মো মবুক চাউবনিন ঈশিংনা থম্বুনা নোংমা নিনি লেল্লমগা হুমনি মবিনি শুবকপদগি লাম্বনা চারা হেনবা ঙমলত্রুহনা অঙাং তাংলৌ অথেংবা মী পূম্নমক তুম্লঙবা মহমদা লোম্না চে ফুদগী চেং কোংলগা চেংগং শায়হনা, লকোই হুন্দুনা মবুক থম্বা চারক্লে। লাইগুং খঙনা বারিবা নোংবাক্কো মাইবা মাইগী মনাক চকহনদে, লাইতোংবী মাইবীগুম লাইলোন লোন্দুনা ঙাহবা শকপা হৌরকলে। অনৌ অনৌবা লাইথেং হাপচিল্লকপা মচাগী মঙং মতৌহ উবদা পথেম পাম্হৌ অনিদি রাবনা পন্দোল লোমলকলে, কপ্পুনা মতম হেল্লকলে। মঙানিশুবা নুমিত্তা চরৈ কিঙৌ শেংতুনা লাংথে, মপোপতু মনা অনিদা চিনশিন্দুনা লাইতোংবী মাইবীগুম কেগে লম্বী য়াংথক কৈনা কৈনা চোংহনা জগোই শার শারহনা মপু কংল কাবকপা নোংবানগী মতৌ উবদা লম্বীদা চংলম্ব মী ময়ামদো লেপতুনা য়েংনরে ইমুংদা লৈব মীওইসু মপান্দা থোরকলে। মাগী মতৌহ উবদা নোকনিংবা কয়াস্তু মাবু কিবদগী কোংনা নোকপা ঙমদহনা মচিল খুমলগা নোক্করে। নোংবান মাইবী চহলে রা রা লাওনরে কেগে লৈবাক শীনবা থুংখ্রে। নোংবাম্ন মপুগী শঙলেন য়াইদা চঙলকুনা মকোক্তা লাই তোংলবনি খন্দুনা নিংথৌ উবদা থুরমগ্রে, মথুং লোম্নরগা তোকলে। নোংবানগী মতৌ উবদা নিংথৌসু ঙকলে। তয়ুম অচানবা করি মতৌনো হংলকলে মপুনা। ইনিংথৌ বেগে চিক লেম্নবা মোইরাং থানেমনবা ঈচিক ঈশা থায়নবা নবুথৌ থাংজীং নোংবান এঙোন্দা কুমসি কুমজাদি লমলেন তোরবুং লমজাওদগী ফাবা য়াওরৌ শা অমত্তা লোক্তাক্কগী ফাবা লেমলৈ ঙা অমত্তা কংলগম্নু ইকোপ লাইপল লোইদা চাক্তারিবা মরেং পোপু থোংদবা মনম চৈবুল থাদবা মচু ঙাঙবা ময়াংলেন কোরি চেনবা মথোং মরি তাঙবা মরাইবক থম্বাল শাবা কাংগ্লেক হু ফাংগা থাংজীং এঙোন্দা কংলবদি মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনা মুংথাই য়াইদনা

পানহনগে অরাং অপা নৈহল্লোই, নবুঙো নিংথৌদা পাউদমক্কী চিংও মপাউ পীরক্লে। হন্দক ফাগদৌরিবা কাও অসি মীয়াম চঙহনা মশাদা থাঙ তা থাহনা চৈফম নাইবা য়াদে, অমত্তা পোবপা ঙমপানা ফাগদবনি, মশাদগী ঈ মরিক অমত্তা লৈপাক্তা তাহনফদে হায়রক্লে। নোংবানগী য়াবাহু তাবদা নিংথৌ মায়থোং লৈদা লুক্কনা তরেৎ তরা থেংক্লা খনন্দা রাখল লংজিল পুনশ্রবদা চিনবান মথক মথা কংলে। নিংথৌগী অরাবা মায়থোংতু উবদা নোংবান চঙশিল্লক্লগা "ইনিংথৌ, কাও অহু ফানবগীদমক্তদি পায়মা মুংদা চিংনবিগনু। ননাইদা কাও ফাগে রাচংপা মোইবাং মচা ফনা য়াম্মী, অতৈদি ঙমগনি নীংদে, ইত্তাও খম্বদি ঙমগদ্রা খল্লি। মবৌ চাউবা ইত্তাওনি, মাবু কৌথংপিরগা ননাইগা মপুগী মাঙদা ঙাওনজগে হায়দে খচদে চেনখিবা য়াই" হায়রক্লে। নোংবানগী য়ারাহু তাবদা নিংথৌনা অচুম্বা ঙইরবোই নীংলহুনা কংলা পুংজাউ য়ৈহন্দুনা অঙম অথৌ পুম্নাক বৌথংলে দোলাইপাবা থাহনা খম্ববুম্ব ময়ুমদগী কৌহনখ্রে।

অয়ুক্তা থনমুনা মৌপাদা থোমলেন মঙগী পাউ তম্লিবৈদা দোলাইপাবা চঙসক্কনা নিংথৌনা থৌরাংনা ঙাইহৌরে, চরৈ ফিজোল হোংলো চংলসি হায়ররে। খম্বনা চংলমদাইদা ইহুনিংথৌ, চেকশিল্ল পান্থৈগী কোলোয় মিংচং ময়েং তাহনগনু পাওমেম্নবিরে মচেম্না। পলেম শব্রবী মচেম থুরুম্নগা খম্ব খুনা য়াঙনা কংলা কাকে। কংলা পুংগী পুংখোল তাবদা লানপাউ নত্তে শাবাউনি খঙলহনা থোংলেনদি কংলা থরা থেংলপ্না কারকই। চাউবা নোংথোনদি মাঙজোননা লাক্কনা কংলাদা থংলরে। লৈবাক্কী অঙম অথৌ মুনা তিম্নরবা নিংথৌ অমদি রাজোন নিংথৌ কংলাদা থংসরবদা চাউবনা নিংথৌগী মাঙদা থুরু খুদক কুম্নগা মথুৎ লোম্নহনা করম্বা অথুবা শাবাউ লৈবগে হংলকলে। নিংথৌনা কেগে নোংথোন অঙম্বা নপাব্রি নোংবান মাইবী চঙলে। নোংবান্না পীবা চিংঙ লাইপাউদা ইকোপ্তা চাবা মাবং পোপু থোংদনা মনম চৈবুল থাদবা কাও অহু ফারগা থাংজীং ঐঙোন্দা কংলু মোইরাং

চুংঙাই য়াইফনা পানিহনগে তাকপিরে। ইকোপ লাইপল শোইদা চাক্তারিবা কাওসি নমাক নোংয়াই থম্বনা ইযণনি ফাগে হায়না মতাও নোংবান্দা রাচংলিস্সু হায়রি। ইতাও থুম্নন নিংথৌগী মললমদা চাক্তাবা কাওনিনা মোইরাং ঐথোয়না চঙলগা হেক ফারুবস্সু য়ারোই। অহুনা অঙম আথৌ ময়াম কৌখৎলগা থম্নবনা ফগদ্রা ৎন্দুনা কৌক্তবনি হাম্বরকপা য়ারাহু তাবদা লৌশিং শিংবা চাউবদো মপুক্লিংদা চিংনবা পোক্লনা মাইবীগী ফিজেৎ শেংলিবা মপারি নোংবান্দা মুম্না য়েংবদা নোংবান মায়য়োক্লবা ঙমদহুনা মকনুকথৈ। পারি নোংবান মাইবী চঙলে লৈবাক্লা ঙাঙনরিবসিবু অচুম্বরা হংবদা ইপল ইবুঙো থাংজীংনা পামলবোই নপারিদি ঙসিগা থানা মঙানি শুরে ময়ামগা চাক্তিন ফিদিম্নদবা থুমলক্লে নোংবান্দো। নতাও থম্বগা উংত্রা মাগা করি করি ঙাঙনবগে হংলক্লবদা ইতাওনা লৈবাক্কী শাজিন লানত্তিন অমুক্তা থংজগে, ইকোপ্তা চাক্তাবা কাও অসি নোংয়াই ইষণনি, ঐনা ফাকম থোকই, ফাজগে মপু থুয়াদা হঙ্গংপিয়ু হায়না যুমদা মঙারক লাকই। মানা লাকপা থুদিংগী পুথম অমমম পুরকপনা পুথম মঙা শুরে থুমককই নোংবান্না। মপারি নোংবানগী য়ারা, তাবদা মপুক্লিংদা চিংনবহু হেন-গৎলক্লে চাউবা। লুদনা ঙানপলু থাউদনা ঙবোংথাউ, কংলা লুখুম তোয়রবা চিংজিল ঈথোং ফাংকনবা পেথোক্লে নোংথোন পিকশিল্লে চাউবা, ঐগী মী ওইরগা ফবা মীগী ওইরগনা মবুনা য়ুবা মরৌ চাউবা নোংথোন্না মপারি নোংবান য়েংলগা নতাওবা পিরম্বা পুথম মঙাহু মশক য়েংগে লৌহল্লুচো হায়রক্লে। নোংবান্না মনাই শৌরা থাহুনা মাগী তাসোয় মঙাগী উল্লকপা অহনবা পুথম মঙাহু ময়ুমদগী লৌহল্লুরগা চাউবদা পীরে। চাউবনা পুথম মঙাহু পায়শিল্লগা থম্ব কৌশিন্দুনা 'মালজৌরেন! নচেমগী অউনপোৎ ওইনবা ইকুনা পীথিবা পুথম মঙাহু করিগী নতাওদা পীরুরিবনো' হায়না মীয়.ম মমাঙদা চৈশিন্নরে। রা ঙাঙদনা থম্বদো ঙাহলিংবা কয়া লৈরবস্সু ঙাঙবা ঙমদনা তুমিন্না সৈথি। পারি নোংবান নঙদি রাংত পাদবা ইনাকথুন।

মচানি, নতাওদা পুখম মঙাসি হনবিথ্রসি হায়রবু পারি নবুক্তা করি চিংনবগে হায়রকপা চাওবগী য়ারাহ্ন তাবদা পীথোকখ্রো খুমলকক্লে নোংবান্না! চাউবনা পুখম মঙাহ্ন খম্বদা পীরে রাঙাং শোম্নবদগী নোংবান্দো পুখম মঙা রাকোংলে।

মাকংগৈরেম, ইকোপ লাইপল শোইদা চাক্তাবা মরেং পোপু থোংদবা মনম চৈবুল থাদবা কাও অহ্ন ফাগে হায়না নতাও নোংবান্দা রাচংলি হায়রিবসি অচুম্বরা হংলকপা মমান চাউবগী য়ারাহ্ন তাবদা খম্ব ঙক্লে। ইমান ইবুঙো, পানা লমজেল চেনথৈদগী উনখি-দবা ইতাওদো ঙসি কংলাদা উনজবদা ফংজরি। করম্না মঙোন্দা কাও কাগে হায়না রাচংতুনা পুখম পীগদৌরিবনো? রাকমহ্ন তাবদা নমাক্তি পুমঙক ঙক্লে খুমলকপা খম্বগী পুকচেল ভিংবা য়ারাহ্ন তাবদা তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমকম্ন ঙক্লখি। নোংবান্না শাউরংননা করি য়ান্নানো ইতাও। অহুথৈ নহাক্না লৈ হেকপা চংমিন্নবদা সৈবাক্নী শান্তিন লানজিন অমুক্তা থংজগে হন্দক্নী কাও অসি থুমন পুংদা চাক্তাবা নোংমাই ইষণনি ঐ ইতোমদা ফাজগে ইতাও নঙ য়াওরগন্নু হায়বহ্নদা ঐনা য়াখিবা নত্রা? ইনিংথৌগী মাঙ য়োরগা কিয়হুনা মীদু চংহাং হাংপদি ভমব মুপা মান্রে! নঙবু পোকপা ইমান পুরেম্বদি হায়খিবা রাকম হোংবা লৈতে চিঙোয়রকপা মতাওগী য়ারাহ্ন তাবদা খম্ব অশাউবনা লুতোন কাখিহুনা অফ ফত্তা রাথল থনখিদ্রে। মীনম্বা ঙাওহুনা লৈবাক নিংথৌ রাহনগদবগী শরুকপুদি নঙগা ঐগা চংতুনা কাও ফামিন্নরুসি। চিংবা য়াদ্রগা নঙ খুমাং পায়মু ঐ খুদুং পাংগে থাংহুনা পুরক্লগা চিংঙ্ থাংজীংদা কংলসি লাউ হায়না হৌগংলক্লগা নোংবানগী খুজেং পায়হুনা চিংবদা নোংবান থাংলে, চাউবনা চঙশিন্দুনা খম্ববু থামলে। অশাউবনা মাঙওইনহুনা লৈবাক নিংথৌ মমাঙদা থৌগললোন কায়বা হায়কদবা য়ান্না হায়খিবহ্ন থল্লবদা ইকায়বনা খম্ব মরূ লুক্তুনা লৈখি, থোংলেন্দি হয়াউনা মায়থোং মকা লামই। মমাক্নী ইকায় খুমশি য়াম্নবা মওং মতৌহ্ন উবদা চাউবনা মখুং লোন্নরগা

"ইনিংথৌ, চিংগু থাংজীংদা কাও কংলু লাইপাউদু চকপা লমলাং মাইবী খোমলেন মগুজং তানবীনা লবাই লা থৈ কে ক্তা থেং শরিক চোমজাও পায়দুনা চিংগু লাইমাও ফমদুনা চেনবা খোযুম লাইপাউ নাত্তে, পারি নোংবানগী খোমলেন মগুলান্দা মগুফাওনবনিমা কাওগী মহুত্তা তাউজিং হৈরাংনা শিন্নেল লৈরাংনা য়াওরো শাহুৎ শিন্দুনা কংচগে চিংগু থুয়া থাদা হায়জসি। লাইদি হায়জরগা য়াবিগনি" হঙ্গংলকপা চাউবগী য়ারাহু তাবদা রাঙ্গোন নিংথৌ শাউরে। "কেগে নোংথোন! নিংথৌনা থরদং চাল্লগা ইমুং মহুদা ভাঙগদবা য়ারাবু লৈবাক মীমাঙদা পংঙাঙ ভাঙবা য়াব্রা? চিংগু লাইপাউবু থওইদহুনা তোক্লসি চিঙ্গোয়নবদি লাইবু কবেম্নবনি অঙম্বা নরা লৌবা য়াদে" হায়রকলে 'রাঙ্গোন নিংথৌ! চিংগু লাইপাউবু থওইদবা নত্তে হায়জসি হঙ্গংচবনি। ইনিংথৌ মপুগী পায়না উনগোইমুং রাখল তৌবিয়ু। কাও কংপদা ইনিংথৌগী পুক্লিং লেপ্লিরব্র।' হঙ্গংলকলে চাউবনা। চাউবগী য়ারাহু তারগ নিংথৌনা চিংগু লাইপাউনিনা কংত্রগা লৈবাক নিংথৌগী অরা অনা নংগদবগী শরুকপুদি কংপনা ফগদ্রা থল্লী' হায়-রকপা নিংথৌগী য়ারাহু তারগা চাউবন মখুৎ লোয়দুনা "ইনিংথৌগী উনবি পুক্লিংদা লেপ্লিরবনিনা লৈবাক মীয়াম চত্তুনা ফাগদবত্তু থম্ব মতোমতনা কাও অসি ফাগে হায়না নোংবান্দা রাচংলি হায়রবনিনা থম্বনা ফাজরসনু। কাও অসি থম্বনা ফাবা ঙমদগনা কাও কংসি, ঙমদবা থোক্লগা কাওগী মহুত্তা থম্ব কংলসি লৈবাক নিংথৌনা রারেম্ব-দুনা য়াবিরো। ওল্লকপা চহীদা নিংথৌগী লাঙ্গোই শামু থোংনেংশা কংলু হায়রবস্তু সংসি। মথংগী চহীদা চিঙ্গিনা চাউবা কংলু হায়রবস্তু ননাই চাউবা ইশানা য়ানা চোংথোকচগে। মথং চহীদনা মোইরাংগী অথৌবা অনগী তাংজ লুরেন কংলু হায়রবস্তু অহল ওইরবা ননাই থোংসেনগী তাংজ কংসি লৈবাক নিংথৌগী মাইফনবনি ননাই মশানা য়াঙ্গগনি। মমৈথংদা মীচম কংলগনু নিংথৌগী ইপু মপুং মমৈ কারবী অমত্ত পোকপী চম্ব নিংগোল কংলু চিংগু লাইপাউ পীরক্লবদি নমোম

লাংলেন থোইবী কংপা তারেদো' হন্দংলক্লে। মমোম লাংলেন থোইবী শোক্লক্লবদা রাঙ্গোন নিংথৌদো শাউহনা মশা থক থক নিক্কলক্লে, ঈ কাপ্পবা মমিং অনি অহনা চাউববু চাগদবগুম য়েংলগা 'কনি চাউগা নোংথোল! তাঙনা ফংজবী ইমোমবু কংলু চিংঙু লাইপাউ পীরক্লবদি থুংসু থাঙলেন পায়রগা থাংজীং কোল্লু হাইদংদুনা ঈরুম্বীদা থাদরগা লোইরেদনা' হায়রক্লে। রাঙ্গোন নিংথৌগী অশাওবা রাঙাংদু তাবদা চাউবা থম্মোয় পেল্লবোই মায়থোং মকা লাম্লক্লে। ননাইনা অসি থোকনি মাঙজোননা হন্দংচববু ইরা লোৗবা য়াদে তাকপিখিদ্রু নমোমগী কা থোক্লগনা থাংজীংগী কোল্লু হাইদংকে তাকপিবা থোক্র-গনা তুমিন্না লৈথোকপিবা। হন্দক ননাই ইমাক খম্বগী কা থোক্লব-নিনা নমোমগী কোল্লু অমা থনম্লগা অতোপ্পা কোল্লু অত্রদি চাউবগী ময়া পাওলবা থুংসু থাঙনা হায়দংলগা লোক্তাক্তা থাদক্তগে মপুনা নোংদমবিমু হায়না মপু থুয়া থাদা থুরুমদুনা হঙ্গংলক্লে। চাউবগী য়ারাদু তাবদা নিংথৌ ইকায়বনা মায়থোং থেবু লাংশিন্না মক্ল লুকথদুনা লৈখ্রে, রা মচেৎ অমত্তা তাওখিদ্রে। তিল্লিবা লৈবাক্তা ফমনাইবা অঙম অথৌ-শিংসু তুমিন তুমিন লৈনখিদুনা মকমদু উন রাইমুক চিকখ্রে, শিংদম্বা মালং সুংশিং ফাওবা লেপখ্রে।

লৈবাক নিংথৌনা অৱাবা তাব্বা রাঙ্গোন নিংথৌগা চাউবা নোংথোনগা অনিনা রাহৈগী লাম্হৈংনবদা অঙম অথৌ কয়াসু মীচং শঙ্গন নাইদুনা নাপাক তাম্মরক্লবদা থোংলেন রা মচেৎ অমত্তা চাঙ-থোক্তনা তুমিন্না ফমদুনা লৈরিবসি কন্নিগীনো হায়না তিল্লিবা মীয়াম্না চিবোন চিবোন তাওনরক্লে। মতাং অসিদা রাম্নী তান্নিবী রাইমু অমোম্ন মোরী খৌদনবীনা মশাবি কদনবদা থোংলেম্না কন্নিগীদমক্তা রা তাওদনা লৈন্নিবনো হংলক্লে। মশানৌ চিংনা য়েংলগা রাইমু লাবা কদনবনা হায়রকই। তুংদা থোন্নকদবা থৌদোক কয়াবু মাঙজোননা খঙবা উম্বা লাইপোককুবা থোংলেন্নি। অদুদৈ কুমজা কয়াগী মমাঙদা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পানখিবা মীগী নিংথৌ অহানবা পুন্নিংলাই যাং ফাং

পোংলেনহনবগী মহাকথক্তা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা থোকখিবা থৌদোক অহুগা হন্দক নোংবান্না মাইবী চঙহুনা চেল্লিবা লাইপাউ অসিগা য়াম্নমনখিবনা থোংলেন্দি রা ভাঙক্ন খঙদহুনা মতোমতা রাখল তৌহুনা লৈরিবনি। পুরিংলাই অহুগী মহাকথক্তা কেগে চিকনেমদা মোইরাং থানেমদা ঈচিক ঈশা থায়দনা অরা মৈশা লাংসক্লবদা মদাইরেম লৈকায়লাকপা নিপাল কৌখংলগা থৌদাহুনা য়েংহনবদা মখোয় নিপাকনা মায়কৈ য়েংম্বাক্লহুনা অহীং মুংথিল অনিদা কেগে খুল্লক কেয়না চত্তুনা মোইরাং লৈকায় থংনা খিবদা লৈরক শাথৌবা থোংবান লানয়াংবা য়েনখা লৈহংবা তিলমু লাইমু কাওবা অমৎতা থেংনখিদে। নোংমা অহীং ভাংলৌ অথেংবদা য়ামথমলোই তরেংনা ভাংলৌ লমথক্তা কেগে নৈথোং থুগায়বা উরহুনা নিংথৌদা হঙংখি। চকপা লমলাং মাইবী থোমলেন মঙমংতানবীনা চিংঙু লাইপাউ হংবদা থাংজীং লাইদা মানবী উরিকশিবী কাওরেংগীদু চাকখাউ তৎনা লৈতাই নোংদাইরবদি কেগে থিকনেমগনি মোইরাং খানেমগনি লাইপাউ পীরক্লবদা মোইরাং নিংথৌদো হায়কম তৌকম খঙদহুনা অরাবা ঈপাকা ঈয়ারুখি। নিংথৌগী অয়াবহু উবদা খোয়োন লাইমৈবা মোরি অমাইবনা কাওরেংগী মহুত্তা লানৌ লাতোন্দা য়েরুম চিন্নাইদবা, তরা চেংখল, লাংথৈ মপোপ হাপ্পুনা ঈরাং থৌনিবদা কেগে চিকনেমথি মোইরাং খানেমথি ঈচিক ঈশা থায়খি রাফম অহু কাংথোকলুরগা মতাও চাউবগী রাপাংবা তাহুনা তোকলগত্রা থল্লবদা খোকেন তুমিন লৈবনি। হন্দক নোংবানগী লাইপাউদা ইকোপ্পা চাক্তারিবা কাও অসি মতাও পুরেম্বনা য়োকলম্বা থম্ব থমমু মচিল মৌপাবু লুনা চান্না তৌবিরম্বা নিংথি ভাংবা পাম-হৈবা কৌবা যণ অহুনি খঙলবমু নোংথোন্না মীয়ামদা হায়দোকখিদে মপারি নোংয়াই থম্বদা কাওগী মরম তাক্তুনা ফাহল্লগা নিংথৌগী মনা মথুম চাউনা লৌহনগে পাগী পারেপ ফংনবা পুগী পুরেপ য়োনবা থৌশিনগে মপুক্রিদা থন্দুনা লৈরিবনি। অহুবু অতাওবা কাও অহু ফাংগী পীগদবা মনা মথুমগী রাদি ইহৌ হৌদোক্লহন্সিদা থোকেন

মা ভাউদনা তুমিন্ন ফমহনা লৈবনি। মশাবিগী য়ারাহু তাবদা মোরী
থোদনবীহু চিংনবা কোক্তুনা য়ারী মথা লৌবিরো হায়রক্লে।

ঙহাক তুমিন তুমিন লৈরকয়গা নিংথৌনা মনাও ইবুঙোদা ওন-
শিল্লগা "শাংৌতোন। হন্দক ইকোপ্পা চাক্তাবা কাও অসি লৈবাক
মীয়াম চঙনা কাবা য়াবা অচম্বা কাও নংতবনিনা কেগে মচা কনা-
গুম্বা মতিক মথৌনা লৈবনা মরাইবক চাং য়েংঙবদা মপ ঙঙনা কাও
অসি কাবা ওম্নবদি নিংথৌগী মনা মথ্মগী মথক্তা ইমোম কাংলেন
থোইবীবু অওং অউন তমহুনা অথৌবা মচোন্দা থাজবদা শাংৌতোনগী
পায়মা সুংদা করি চিংনবগে হংলক্লে। ইনিংথৌনা ফগনি থঙ্নুনা তাক-
পিরিবহু নশানৌম্ন য়াজরে" হায়রকপা মাঙোন নিংথৌগী য়ারাহু
তাবদা নিংথৌ মপুক্লিং পেস্লে, চাউবা রাথল সুংভাইরে নোংবান মথয়ায়
রারে, খম্ব লাইবক চাং য়েংগে থাল্ল, থোংলেন নীংবা থুংলহুনা
হয়াওরে। কেগে মচা অমংতা কাও ফাগে চোংথোরক্তুবদা চাউবনা
মপুগী মাঙদা চঙ শিল্লগা হঙলক্লে। "ইনিংথৌ! ইকোপ লাইপল শাইদা
চাক্তারিবা মথক্তা শারা উচেক পাইবা য়াদবা অচাওবা কাও অহুনা
করিগুম্বা ইকোপ লাম্থোরকুনা মোইরাংদা তারকজবদি লৈবাক নিংথৌগী
অরাবা ওইগনি। লৈত লায়র কনা অমংতা লোত্তাক থোংবান্দা
কুম্বা ওম্নরোই। অহুনা থুমন নিংথৌগা তাম্নরগা লৈবাক অনি
চঙহুনা কাও অসি ফাংৌদবা য়াদে" চাউবগী য়ারাহু অঙম অথৌ
পুম্নমক্তা য়ানরে, কাও অসি ফাদবা য়াদে হায়নরকলে। বাও ঙসি
ফাগে লাইবক চাং য়েংগে মপুক্লিংদা থল্লিবা খম্বদো মমান চাউববু
কিবদগী মা হৌদোকপদি ঙমদা লোম্না চাউবদা অমুক য়েং, নিংথৌদা
অমুক য়েংবহু চাউবনা উথোকখ্রে। চাউবনা খম্বদা ওনশিল্লগা 'মাক-
লৌরেন খম্ব! হন্দক ইকোপ্পা চাক্তারিবা মগ মচা অসি কাও নরাইবক
চাং য়েংঙ। নঙনা কাবা কিয়গা নপা ইতাও থোংলেনবু ফাহনগে
নঙগী নমায় ওইজৌ মনাস্থ কংজৌ' হায়রকপা মমান চাউবগী য়ারাহু
তাবদা খম্ব হৌগংলক্তুনা নঙক্তা ফি 'য়ংতুনা নিংথৌগী মাঙদা থুক

খুদক কুন্দুনা খুরুম্নগা 'ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ! লমলেন ইকোপ লাইপল শোইদা চাত্তারিবা ময়েং পোৎপু খোংদবা মনম চৈবুল থাদবা কাও অসি ফারগা চিংগু খুয়াদা কৎচবা ওয়া মপুনা নোংদম্মিন্নু' হঙ্গৎলকলে। খন্নগী য়ারাম্ভু তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌদো পায়মা খৈনা পেনবিরবোই মঙ্গা শিরিবা মমল য়াম্নবা লিকলাং পরেংদু লৌথোকলগা খন্নদা শিবিদুনা ইদাইরেম কাও ফাবা ওনজরো নিংথৌ ঐগী য়াথংনি হায়রকলে। খন্নদা নিংথৌগী য়াথংবু চরৈ কিগাউ শানা য়াজবদু উবদা তিল্লিবা অওম অথৌ ফম্ন ইবা পুম্নমক হয়াওনরে। নোংবান চওশিম্ভুনা ইমান পুরেম্বনা পোকই হায়বদা মতিক মাপা চাই হায়না মতাওবু কোনবিরে। মুমিং অদুমক্তদা নিংথৌগী য়াথং পুরগা থাজরাকপা ফম্নাইবনা তমব মুপা তরাগা লোয়ননা খুমন নিংথৌদা কাও নিবা চংলি। মতাও মোইরাং নিংথৌনা হায়রকপা য়ারাম্ভু তাবদা খুমন নিংথৌম্নু হয়াওরে। খুমন মীয়াম্না ফাবা ওমদ্রবা অঙাওবা কাওবু মতোংমতা ফাপনি হায়না লৈবাক মীয়াম মমাঙদা চোংথোরকলিবা অকনবা থৌনা ফবা তমব মুপা অদু কনানো, মোইরাং অঙয়া কনাগী মপারিনো কোলোয় মমিং করি কৌবগে হংলকলে খুমন নিংথৌনা। ইনিংথৌ, মোইরাং মচা নত্তে, খুমন 'নপাচা নোংয়াই নয়েল্লু পুরেম্বা অহোংবগী মপারি নোংয়াই খন্ননি হন্নৎলকপা থাজরাকপগী য়ারাম্ভু তাবদা খুমন নিংথৌ খম্নোয় পেন্না মুংঙাইরে। হয়েং ইমুং য়াঙানবগা ইকোপ লাইপল শোইদা খন্নদা কাও ফাবা য়েংনবা খুমন মোইবাং নিংথৌ অনিগা লোয়ননা লৈবাক অনিগী ফম্নাইবা অওম অথৌ শরাইবা ময়াম্না ফয়বা শগাই কুনমঙা হৌজিক্কগী শাবা হৌরো হায়না মনাইশিংদা য়াথং পীথ্রে। থাজরাক-পনা হন্নকুনা মপু মোইরাং নিংথৌদা মতাও খুমন নিংথৌনা হয়াও হয়াওনা কাও পীরকলে, শগাই শাবা হৌহৌরে পাউবু তম্নবদা নিংথৌ মাম্নু মথরায় মুংঙাইরে। হয়েং থরানগী তরেংত্রি পানবা মুমিং অসিদা খন্নদা ইকোপ্তা কাও ফাগনি হায়বা নিংথৌগী য়াথংবু

নৈকায়লাকপা নিপালনা শগোল তোংদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা পাউ চেল্লে। পাউ অসি তাবদা খুমন চম্বু লায়রবী খমন্নদি ইমুংদা লৈবা তমদতুনা শুমাংদা থোক্কুনা মংনিংথৌনা হল্লকপা তাইদুনা মথরায় রানা লৈখি।

থোংলেন খম্ব মপা মচানা কংলাদগী থোরল্লগা ময়ুম মায়কৈ পাংদুনা লাকপদা লমখাংদা 'পারি শাজো! যণ মচাদু কাবা নপুক্লিংদা চিংনগদু। নহাক্না কিরগা ইপা ফাবিগে নখুংনা থাংজীংদা কংলগা মনা মথুম ফংজো' হায়রল্লবদা 'ইপা ইবুঙো! পম্বোগী থৌজাল ফংলবদি নপারি কাও ফাবা তমগনি' খুমকলে খম্বনা। কাওগী মশক্তি খঙলব্রা হংবদা খঙদে খুনজৈ খম্ব। মশক খঙদবা কাওবু করম্না ফাগদৌরি-ঘনো? লাউ ইপাগী যুমদা চংসি ইপা কাও মশক তাকে হায়দুনা মপারি খববু ময়ুম তান্না পুবক্লে। থোংলেম্না শুমাংদা ঈশাইফু অচৌবা অমা ঈশিংনা চোদনা হাপলগা ইকোপ লাইপল শোইদা চাক্তারিবা কাও অদু চিংশিন্নবা লাইরা শোল্লক্লে। হে হয়া হে চিংঙ, থাংজৌং কোয়রেললাই চিংঙু নঙনা কুহিয়ো। হোঃ ইকোপ লাইপল শোইদা চক্তারিবা কাও নঙগী শক্তম মিতম লাক, নঙগী মিরেন্দবু থেংংলেন ইগাইদা হিরি কোন্না চিংলিয়ে ঈশাইফুদা চঙলকদো তেহি তেহি তেহি। থোংলেম্না লাইরা শোন্দুনা কৌরিবা কাওগী অশেংবা শক্তম মিরেন্দু ঈশাইফুদা তাবকলবদা ইপা ইবুঙো কাও লৈরে হায়রকলে। পারি শাজো কাওদু মুন্না য়েংলগা মচু মমেন হায়যু চুমব্রা য়েংগে হায়রকলবদা মচু তাংই, ময়াংলেন কোরি চেল্লি, মকুম চাউনা কাই, মমৈ খুজি শানা তাঙই, মরাইবক থম্বাল শাই হায়রকপা থম্বগী রাদু তাবদা চুম্মী হায়রে থোংলেম্না। পারি নঙনা হয়েং ফাগদৌরিবা কাও অসিগী অকুপ্পা রারী রাথোংদি নচেমদা হংলুচো মানা লোয়না খঙবনি। নপা ইতাও পুরেম্বনা শীজিন্নরম্বা লোংঙা চৈবুলস্থ পুজথো পীবিরকলবদা খম্ব মথরায় মুংঙাইনা মমুমদা হল্লকই।

নিংথৌগী দোলাই পাবগা লোয়নদুনা কংলা কাখিবা মৌপানা মুমিং

তাখিদুনা মমশিল্লকলবা কাওবা হল্লক্রুবদা খমনু লৈবা ওসদদুনা খরাই থোঙাল্দা থোক্লগা মত্থনিংথৌ লাকপরা তোয়না য়েংজে। ওাইহাক লৈরগা খম্ব তফিং তফিংনা চঙলকপত্থ উবদা মথরায় মুংঙাইরৌনা মচিন মৌপা ইমুংদা চঙলকই। খম্বনা মফি হোংদোকপা লোইরম লোইফাংত্রিঙেদা হংনিংবনা হেনজিল্লক্কুনা 'ইত্থনিংথৌ! কংলা পুংজাউ রৈবদু করম্বা শাবাউ লানবাউ লৈবগে' হংলকলে। ইচেমহল। শাবাউ লানবাউ অকনবা করিস্থ লৈতে! লমলেন ইকোপ লাইপুল শোইদা চাক্কাবা কাওত্থ ফারগা চিংঙু থাংজীং লাইদা কংকে হায়না মপু মোইরাং নিংথৌদা হঙ্গংলম্লে হায়রকপা মত্থনিংথৌগী য়ারাত্থ তাবদা মীপাইচাউবী মচেম খনম্নুদো মথরায় রাত্রবোই, করি রানো ইত্থ-নিংথৌ! কেগে কল্লক চাউবা মোইরাং য়েংথিবা কনাগী ফত্ত খুজিল থোবাংদগী মী উবা য়াদবা মথক্তা উচেক রায়া পাইবা ওসদবা অদুক ওাওবা কাও অত্থবু নতোমদনা করম্মা ফাগদৌরিবনো? শাম পাজল চাউরে, ঐগী ইতেচ প চহনা অরাবা কোকলগনি ওন্দুনা ইচেম্মা মুংঙাই-জক্রুবদি শিঙেল অরেম্বা লৈরাং অভিংঙা তারেদকো লায়রবা কেগেদা লমজা কৈহেত্রে, মোইরাংদা শারা পানহৈত্রে ওস্থোকপা য়ামজেন লাইবক্লিদকো চিংঙু নওনা তম্বিবাস' হায়না খমনু মথরায় রাদুনা কপলক্লে। মচেম্মা কপ্পা উরগা খম্ব মমিত্তগী মপি তাখিবা খঙহৌদে। 'পলেম শকনী ইচেমহল। রাবিরুগম্নু চিংঙু থা জীংনা তম্বা লাকনি। ইচেম্মদি অপোকপা পম্থোগী কোলোয় মিংচং ময়েং তাইংগম্ন তাক-লীবনে, ইমান চাউগনম্থ পাংথৌ থোংলেননস্থ কাও ফারগা নিংথৌগী মনা মথুম চাউনা লৌজৌ হায়বিবদুদা ঐস্থ ফাগে য়ারুবনি। ইকোপ্পা চাক্তারিবা হুন্দক ফাগলৌরিবা মচু ওাংবা ময়াংলেন কোরি চেনবা মমৈ থুজি শানা তাংবা মথোচ মরি তাংবা মরাইবক থম্বাল শাবা কাও অসি ইপা থাংশেম্না উহনবিরে। কাওগী অকুপপা রারী রাথোংদি নচেমদা হংলগা ফাও, নপুক্লিংদা অকিবা লৈগম্নু পম্থোনা শীজিন্নরম্বা লোংঙা চৈদুলস্থ পীরকই হায়রকপা মৌপাগী রাত্থ তাবদা খমনু

খঙহৌদনা হৌগ্রবা কাউগ্রবা থোদোক কয়াবু খুদক্তা নীংশি লাক্লে। মপা পুরেম্বনা য়োক্লম্বা মচিল মৌপাবু মচাগুম্না লুনা চান্না ভৌবিরম্বা নিংথি ভাংবা পামহৈবা যণত্থু ওইরম্বা তারে খল্লদুনা শিম্হরম্বা মিংলু পিরাং তৈথোক্লে। "ইচেমগী ইবুঙো নোংয়াই। ইচেম রাশী লীগে পুক্লিং চঙনা তাও। নহাক্না হয়েং ফাগদৌরিবা কাও অদু পলেম ইমাগী অউন যণনি পন্থৌ ইপানা লোইপোৎ থোবা চৎপদা কবুই শলাং নিংথোনা পীরকপনি। মচু ভাহুই হাইদুনা ভাঙবা কৌই। ইপানা যণত্থু উবদা নিংথিজে ফজে শোল্লি হায়বগী নিংথি থোল্লি। নিংথোনা পায়না খোয়জংনা পাম্মী হায়বগী যণচুগী মমিবু পামহৈবা কৌই। নিংথি ভাঙবা পামহৈবা যণগী অশুবা মমিংনি। যণ অদুনা পিল্লিবা ইচিল ইপাবু মচংগুম্না লুনা চান্না ভৌবিরম্মী। পলেম পন্থৌনা নোঙাগ্রবদা ইচেম্না যণত্থু হাংনবা হুমদদুনা নোংয়াই নপাঙল চাউজ্রি কোনশিনবিনবা সৈতদুনা থাদোকখিবদগী মোইরাং থাদোক্লমগা খুমন ইকোপ পুংদা লৈখিবনি। নমু মায়োল হুঙবা য়াম্না শিংবা কাওনি। পলেম পন্থৌগী কো লায় পল্ল, ইচেগী মিংলেন হায়য়ু। পলেম্না কাব্রং লংখল তরেংনা ফাইদুনা তারম্বা মানবি থৌরি ইচেম পীগে মত্থু উংলবদি ভাওরম্বা যণত্থু মবাইনা তেক্লগনি। অশুম্না খংদুনা মৌপাদা যণগী হৌখিবা রাশী পুম্না লৌবিরবদা খম্ব মখরায় সুংভাইরে।

অসোম তম্পাকযুমদম্বু রাঙ্গোন নিংথৌ চীংখু নহা ভেলহৈবনা কংলাদগী হেক কুম্নকপগা তালোয় অতোম্বী কৌদুনা মমোম লাংলেন থোইবী সৈত্রা হুংসাক্লে। মপা-গী য়াহা মপাউ তাবদা থোইবী সেম্নু মপু মনাইদো ইমুদগী থোরক্লে। "ইমোম লাংলেন ইবেম্মা! ভুমুম নোংবান মাইবী চঙদুনা লমলেন ইকোপ্পা চাক্তাবা মরেং পোপু থোংদবা মনম চৈবুল থাদবা মখক্তা শান্না উচেক পাইবা য়াদবা কাও অদু কারগা থাংজ্রীংদা কংনবা চিংগু লাইপাউ পীরক্লবদা কেগে মোইরাং লৈবাকী ফম্নাইবা অঙম অথৌ কনা অমত্তনা কাও ফাকিনবা লৈত্রবদা নঙা লায়রবী খম্বুগী মৌপা খল্লনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা মতোমদা

ফাগে চোংথোরকখি। মতুদা পেল্লদুনা নপক ইবুঙোনা ইগোম নহুবু থরাই থক্ত। লৈহাপপা লৈরোং লাইদা কংপগুম নোংয়াই খংদা হাক্তবে" হায়রক্লে। মপাবুংগী য়ারাম্থু তাবদা 'নমোমবু ইপল ইবুঙোনা থাজবদা পাবুংবু য়াবিরা' হংলক্লে সেমুনা। নপলনা কেগে লৈবাক মীয়াম্দা থাজরবনিনা ইপাম্বু য়াদবা য়াদহুনা য়াথোকখ্রে' খুম্লক্লে মপানা। 'ইপল নিংথৌ অমদি পন্থোগী ময়াথংবু লৈবাক তাবা য়াত্রা নমোম্না ঙাক্না চংসগনি' হায়রম্লগা থোইবী মথরায় মুংঙাইনা ইমুংদা চঙখি। মমা-তোন য়েংহুনা 'পাসেম শকনী ইমাতোন! নমাক লায়রবহু হয়েং ইকোপ্তা কাও ফাবা চংকনি পাউ তারে। নমোম লায়রশংদা চংলুগে ইমানা ফনবা শীনথিরম্মু' হায়না মমাতোন্দা শিন্নরমহৌগা মপু মনাইদো চেলনা চেলনা লাকপনা লায়রশঙ য়োরে। থোইবীনা মাঙোল কাথংলগা খুমন চম্লু লায়রবী, নোংয়াই চম্লু ইনম্মা লৈতত্রা? লাইবকচাউবী নচল লাকচরিয়ে' হায়না কৌরকপা মঙাইরেম্মা' থোইবীগী অনৌবা মীকৌহু তাবদা থমমু ঙক্লুনা থনা য়াংন। মপালথোরব্রগ। মপু মনাইহু ইমুংদা পুশিল্লক্লে। থোইবীনা থম্বু মিংচিনা হাইকেং য়েংলগা হয়েং খুমন মরৈবাক্তা কাও ফাবা চংকনি তারিবশিবু অচুম্বরা মপু মনাইদা য়েংসগা ইমুংদগী ফক গৌথোকনুংগা থাদুনা মথোয় অহুম ফম্মিন্নরে। থম্বম্মু মপান্দা থেংবলে। সেহুনা থাম্বু য়েংগা ছসি মজাইবেম্মনা ইতাবু খুমন চম্লু ইনম্মা হায়না কৌব অনৌবা মিংকৌহু তাবদা ইতানা ঙকগায়রবিরিবহু ঙকপিরনো। ইবুঙোহোম্না কাও ফাগে কেগে লৈবাক মীয়াঙদা চোংথোরকপদা ইপল নিংথৌনা পেল্লহুনা কাও ফাবগী মনা মথমগী মথক্তা মজাইবেম্মবু অওং অউনপা লোয়ননা ইবুঙোতোন্দা থাজবহুদা মিংকৌনা য়াদহুনা ইনম্মা কৌজকবমে হায়-দোরকপা সেনুগী রাহু তাবদা থমমু মপুক্লিং পেন্না নোকচৈ। থোইবীনা থমবু মিংচিনা হাম্নাকেং য়েংলগা হয়েং খুমন মরৈবাক্তা কাও ফাবা চংকনি তারিবশিবু অচুম্বরা কংলকপবদা অচুবনি খুমজৈ থম্বনা। 'কাও অহন্দ অতম্বা কাও মক্তে, চামা লাকলে পাবা ঙন্দা, মথক্তা উচেক রাম্না

পাইবা ভমদবা অহুক ঙাওবা কাওহুবু করিগী যাগে য়াকরিবনো' হংলকলে থোইবীনা। 'খুমন ইলমদা চাক্তাবা নোংয়াই ইহৈগনি খন্দুনা ফাগে ভৌবনি' খুংজে খম্বসু। হয়েং ইবুঙোতোম্মা কাও ফাবা চৎপদা নিঙোল ওইবী ঐহাকসু হৈনা নতুং ইনজগে, ৱারবসু অরাবা শরুক য়াজগে। করিগুম্না কাও ফাবা ঙমদহুনা য়াইবী মাঙবা তারবদি থোইবী ঐসু লোক্তাক লাইজ ইরোলহুংদা চোংখরগা নিঙোল ইদোম য়াইবী মাঙজগে হায়রকপা থোইবীগী য়ারাহু তাবদা খম্ব মাদি মচেংগী মাঙদা ইকায়বনা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমদনা মরূ লুক্তুনা লৈখি। মজাইবেম্মনা ঙসি লেংলকপসি দুংঙাইরে. ইচেম্ব য়াঙনা চংকে ইহুনিংথৌ' হায়না ৱাপাংলকপা মচেমগী য়ারাহু তাবদা ইকায়বা থরা ফরবোই 'পুজগে ইচেম য়াওরবদি' হায়দোরকলে খংদো থৌনা যনা। মুরা পাখং অনিনা লোম্না হুনা য়েংনজবা মিৎচি অনি লিরোইবদা ইকায় মুংশি য়ামনা মায়থোং লুরুক্কবহু উংদা সেম্বুদি ঙকলে। ৱাংলেন মতম ৱাংথ্রে নচঙসু হনজরগে চিংঙু পরৈ চেৎচরুগে হয়েং ঙম্বা লাকচগে হায়রম্মগা থোইবী সেম্ব অনিনা হরাওনা মমুম মায়কৈ পাখি।

কেগে ইমুং ঙাম্মকপা মোইরাং শোরা হেন্নকপগা লোক্তাক পাৎতা হি ময়াম পৈহুনা খমথে। মপুগী হিয়াং হিরেনসু খাবক লাক্তুনা মনাইশিংনা থোগল তৌরগা নিংথৌ মচিল মনাও তোংখৎলে। লৈবাক্কী ফম্নাইবা অঙম অংথৌ চাউবা থোংলেন য়াওনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা হি তোংহুনা লোক্তাক শমলগা খুমন লৈবাক পাংলক্লে। নোংয়াই খম্ব অমুক্কী চাকঙল চারগা শাকি লানকি শেংপা লাক্সিনৈদো মজা-ইবেম্মা থংলরে, মবুঙোতোনগী অরাং অপা য়েংশিল্লরে। মপা থোংকেম্মা পীবা লোংঙা চৈবুল নাক্তা য়ামশিল্লে, মচেম্মা পীবা কাত্রং লংখল ভরেংকী মানবি থৌরি মথাংদা কিশিল্লগা থোইবী খমহু মথোর অহুম থোরকপহু উবদা কেগে মীয়াম থোকহুনা য়েংনরে। মতম কুইমা লোক্তুনা লৈকরবা মপা পুরেম্বনা শীজিম্মরম্বা হিহু ঈশিংদা নৌনা হন্দুনা থিবদা

খেংনদুনা তাউখংহল্লে। হিদুদা মরাইবক কৎলগা মখোয় অহম তোংলগা লোক্তাক শমদুনা হোল্লকপনা ঈয়াই য়েৌরকপদা থোইবীনা খম্বদগী নৌ লৌরগা হিমায় চুমদুনা হি হোল্লি। লোক্তাক লান্দুনা মথং মথং লাকপনা হৈবোং মখোংদা হি থারগা কৈরাইদা কাখৎ-তুনা উচিরাদা মচেমগা থোইবীগা থনম্বগা খম্বদি ইকোপ লাইপল শোই পাংলক্লে। কেগে অঙম অখৌ মরামস্তু খোংজিন হিথাংকমদগী হি তোংদুনা মপু মোইরাং নিংথৌগী থৌগল তৌরগা খুমন লৈবাক পাংলক্লে। খুমন নিংথৌনা য়াঙ্গোই শামু তোংদুনা খুমন য়াংবী পন্দোম্না মতাও মোইরাং নিংথৌ ঙাইদুনা লৈরম্লে। লৈবাক অনিগী নিংথৌ অনিদো উনবমক্কদা হরাও হরাওনা কৌনরগা মুংশিননা লেঙ্গোম্লে। খুমন নিংথৌনা পুরকপা লাঙ্গোই শামুগী শয়াং থক্তা তোংখৎলপা মনাইশিংনা থৌগল তৌদুনা নিংথৌ অনিগী শামু অনিদো থত্রা ননা লাকপদি য়েংবগী পেনবা নাইখিদে। ইকোপ লাইপল শোই য়েৌরদুনা মাগী মাগী শগাইদা কাখৎনল্লে। মোইরাং নিংথৌগী শগাইনা মম য় মথা ওল্লি, খুমন নিংথৌগীনা অরাং ওল্লি। অসুম্না লৈবাক অনিগী অঙম অখৌ ফম্নাইবা সুনা তিল্লকলবা কাও ফাবা য়েংবা লাকপা মীরামস্তু চেন্না তিনখৎলক্লবা মতমসিদা খম্বনা মমায় অরাং ওন্দুনা নিংথৌ অনিগী মনাক্তবা লেপ্তুনা কনাদা হায়রা থুকমগদগে থঙদদুনা মক্ক লুক্কুনা লৈরিবদু শগাই মথক্তা ফমলিবা থোংলেম্না উরদুনা লাউরকই। 'পারি শাজৌ লমদা চৎলগা লমগী লাইনা হায়রা থুকপ্বা য়ুমদা লৈরগনা য়ুমগী লাইদা হায়রা থুকপ্বা থক কাউগনু'। মপা থেংলেনগী পাউতাক মতুং ইন্দুন খম্বনা খুমন নিংথৌদা হায়রা থুকম্বগা মথংদা মোইরাং নিংথৌদা থুকমলে। খুমন নিংথৌনা অথৌবা নহারা কাও ফাগনি হায়রবদো হংলক্রবদা মানি ইনিংথৌ থুমজে খম্বনা। খুমন নিংথৌনা খম্ববু শগাই মথক্তা কৌদৎ-লপা খুমননা মোইরাংদা শাইদাংখিবা চৌখিবা পারি পুরিগী রারীদু লিখিদুনা মচিল মনাও থোকই তাকপিরবদা খম্ব মথরায় মুংতাইজরে। নিংথৌনা মনাও খম্বদা ইকোপকী লম্পিং তানা তাকপিরে। কাও

ফাখা ভনম্ভো হায়নস্থ নানবিরে। নিংথৌগী থোজাল ফংলবদা খম্ব শগাইদগী কুমথরক্লগা নিংথৌ অনিবু খুরুমজুনা ইকোপ লাইপল শোই ভয়া কাও কাবা লাকলে।

খম্বনা চৎপ্রবদা চাউবনা মপাবি কৈবোইজাম্ববু কৌরগা মশেলগী মতুং ইন্না মতোমদা থাগোকস্থ থারকপজ্ঞ লথোদা মশেল মবাই থেংনরে। মশেল মবাইনা খুরাইল্লাং ব্লাংছিংপুং য়ৌরকপদা কাওনা শগুপ শাহরম্বা মত্রিল কোলোল ভারম্বহু থেংনৈ। খম্বা চৎলগা কোং কোং শানা কাইরম্বা মণথি থেংনবদা মশেল মবাই অনিদে মমিৎ য়েংনৈ, ব্লাদি ভাওনদে। অসিদগী মথোয় অনিনা লেপ্তুনা লাকপবা কাও থেংনগদবা নকশিল্লক্লবদা থাংজৌ লাইনা খুদক্তা কাও থেংনদনবা মণলম অনি থোকহল্লে, মণগী থোজ্জল ভোঙাল ভোঙাল ভাহল্লে। থোজ্জল অমনা অরাং পাংবা মণলমনি, অতোপ্পা অমনা মথা পাংই। মণলম অনিদু উবদা মশেল মবাইনা মায়কৈ য়েম্থোক্লজুনা কাও হেক থেংনবা মকমদা কৌনসি হায়নরগা কৈরোইজাম্বনা অরাং পাংবা মণলমদা থোজ্জল লৌজুনা চৎখি, খম্বনা মথা পাংনা লাক্লে। অরাং পাংবা মণলম ইন্না চৎখিবা কৈরোইজাম্বদি উচিরা ভান্না লাক্লুনা থোইবী খমস্থ অনিনা পোথারিবা মকমজু থেংনদনা ভোপ্পা শারিবা চাউবগী শগাই মথো দা থংওরে। কৈরোইজাম্বা উবদা মরিল তাউই তমব চুপা মাপ্সে চৈবিরে মপানা। মথা পাংনা কাওগী থোজ্জল লৌথিবা থংদি মৈরম পাংনা ব্লাইকোপোকপী পলশাং লাম্দুনা খুমন থরাম নহা লায়রবনা থোক্লম্বা লায়রপুং য়োরে। খুমন নিংথৌনা পুং অসি কারুস্থ ভাকপিরকপজ্ঞ খম্বনা পুং অসি কাম্নগা লাইবক চাং য়েংগে, কাও কাবা ওম্মোইদবা লৈরম্বা উং ওইনা তুমহুনা মাওপ্রসস্থ ভমগদবা লৈরবদি তুম্বিগস্থ হায়না মায়কৈ ভাকপা লাইয়ামবু খুরুমজগা পুংহু অরেংলক কোয়জুনা মরাই-বক কংলগা কাখৎলে। পুংগী মতোল য়োবদা খম্ব মতু চুংখিদে, লায়রবা পাজল হাপলবোই মপাদা অকিবা চিংনবা লৈতনা কাও নমজুনা কাগে খন্নক্লে, মচেমনা ভাকপিরবপা পুবা খুদক্তা কাউথোকখে।

নোংয়াই থম্বনা মাম্বকৈ মরি শুংদাই নিপাল ওন্দুনা অয়াম্বা অনকপা কোয়না শৈহনা য়েংবদা কাও লৈবা উংক্রুবদা মমাম্ব নোংপোক ওল্লগা কোরে, তাদ্রে। নোংচুপ ওল্লগা কৌবম্ব তাদ্রে, অরাং ওল্লগা কৌবম্ব তাদ্রে। মখা ওল্লগা ক্ষৌবদম্ব তারক্রুবদা থম্ব রাখল লম্মুক্রক্রে। মমৈথংদা নোংচুপ ওন্দুনা অমুক হন্না কৌবদা নোংপোক লমদা চাক্তা-রুবদগী লাইদিকোম (লাইদকোম) দা কুমহনা ঈশিং থন্নিহৈদা থম্বনা লাউরকপহু তারে। মীখোল অহু হেক তাবদা মনা অনিহু থাদ্লং-হুনা মমায় হাইগংহুনা মনম নম্বদা লায়রপুং লোমদা মীনম কাওরবদা কাওহু ঈশিংদগী কাথংলগে থল্লহুনা লাইদকোম শংহুনা লায়রপুং পাংনা ঈশিং ঈয়াইদা ইরোইহুনা জম জম লাকপগী মখোলহু তাবদা পাংয়াইদা চাক্তারম্বা উচেক রায়া পুম্মক পাইথংলকপহু থুমন মোইরাংগী মীয়াম্বা উবদা কাওগা থম্বগা থেংনরমানে থম্বরকলে। কাওনা লাইদ-কোমগী চরাং য়েম্বা ফুম্মচিংবনা মশা পুম্বা কুপশিন্দুনা লাকপহু উবদা ইকোপকী লাইনা কাও ওন্দুনা লাকলমানে থল্লহুনা 'হে ইকোপকী লাইও! নঙবু কৌজবা নত্তে কাওবু কৌবনি তুবী নহনফমদা হনবিয়ো লাইরেন নতেঙফমদা তেবিয়ো' হায়না থম্বনা লাপ্পা থুক্রমজরকই। লাইদি নংতবনিনা কাওহু মীখোল তায় তায়গা শাউবা হেনগংলকলে ফি ফি কামহুনা চঙশিল্লক্রে। মহু উবদা লাই ওইরবম্ব কায়গে, কাও ওইরবম্ব কায়গে থল্লক্রে থম্বদো। অফিবা লৈতবা থম্বনা মফি তাথং-লগা ইপা মচা নোংদমগে ইপু মম্ব নোংথাম্বগে নোংমদা পোকপা মচানা নিনিদা শিবা হৌনদে হাম্বরম্নগা থুদ্ধপ মরি রাংনা চোংথংফি। কাওম্ব শাটহনা ঈশিংগী কংকাল তাম্বা চোংথংলকপদা মশাদা পম্বম্বা চরাং ফুমদি মম্বামহু তাঙবদা তশেংনা কাওনি থঙলে। থম্বনা মনাক্তা হৌবা হাক ফুক্কুনা কাও তম্বা লংশিল্লকপদা থুমাং অনি খোং, মমৈ ফিরান শাহুনা কোরি মচুগুম তাঙলবা মমিং অনিনা থম্বু চাখোক্তদবগুম য়েংলগা ফি ফি কাম্বা চঙশিল্লকপহু থম্বনা ফম্বিমক্তা নাচুংখিদে। কাংগা শাখেংনবদা খোঙদাফম ফয়োইদবহু উবদা কাও অহু লক্ত লক্তহুনা

পুংখারকপনা লৈকুং কোংকুং কয়া লাম্থোক্কনা লৈত্তেম মায়বা মফম য়োৎবদ শাথে'নরগে থম্লহুনা খম্বনা মমায় ওনশিন্দুনা কাওগা মায়োক্নবে মশিং মরিহ্ মিংক্ষম হোংনদনা শংত্রিক য়েংনরে। কাওনা খম্ববু মচিনা থিন্দুনা হাংকে থন্দুনা চঙশিল্লক্লে, খম্বনসু কাও অদু ফারগে থন্দুনা চঙশিল্লকপদা কাওগা খম্বগা থেংনরে। খম্বনা খুংলৈ খুনা কাওগী মানবি চিরেন অনিদু থুংক্ষম চেংনা পায়রগা নমথবদা মচিল অদু লৈপাক্লা শোয়রে কাও লেঙবা ঙমদ্রে। খম্বনা ইনগে হোংনবদা কাওগী মখোং মরিনা লৈপাক্লা উটুক য়ৌবগুম মুক্কনা ফিভম চেংনা লৈখিবনা লেঙবা ঙমদ্রে। কাওগী ওইথংবা মচাদা পায়রিবা খম্বগী য়েংথংবা খুংত্তু কয়া মুক্কনা ফারগা ওইথংবা মথুংত্তু কোম কোম থাবদা লৈপাক্লা শোয়রিবা কাওগী মচিলদু থাঙ্গৎলকপদা ফিবম তাউবদু উবদা খম্বনা মপাঙ্গল থেক্লা ইল্লে। কাওনা চংলোইদবগী থাঙবদা মখোঙ মখিনা শোয়রিবা লৈপাক্ত ফুক্কনা পুবদা লৌ ফৈদোম অমরোম শাংনা লৌথোং মচা অনি তৌথোক্লে। কাওনা ইন থম্বনা থাঙ খম্বনা ইন কাওনা থাঙ অসুম্না পোথা পোথানা ইন্নবদু রাংলেন পুংথায় অমরোম ফারক্লে, হুমাংনা চোৎলবা অঙাংবা কাওদো মশা পুম্বা মুমুক মুনা উরে, খম্বসু মশা পুমবা হুমাংনা পুমলুপ লুপলে। খম্বনা লৈকুং কোংকুংতা ইন্দরগা নমহুনা ফাগে খল্লিবদু তাইবং মীওম শিংলবা কাওনিনা পুদোং চাবা পীখিদে। খম্বনা পায়রিবা মচা অনিদু খজিক্কং কোমবগা কাওনসু খুদোংচাবা লৌগদবগী ঙাইহুনা লৈরি। অসুম্বা অমনা অমবু লাকচবা ঙমদনা নিংশা শোয় থবেৎ থবেৎ হোনন্হুনা মমিং মখিদো চাগদবগুম য়েংনহুনা লৈনরক্লে। তিল্লিবা মীয়াম্বা মাগী মীচং ওইনা লেপলিবা খম্বদো মীচং লৈজদবা কাওগা থেংনবদা রাবনা পন্দোল লোমলে। তাইবং মীগা মণপা পাইরকী লৌশিং শিংবা মায়বদি চৌনবববনিনা খম্বনা রাংলেন মিকুপ খম্বদং পোথারগা অমুক থেংনলে থম্লহুনা থংইন ইন থংথা হেক থাদোকলগা চোংথংখিহুনা মাগী মম্বোং-হুমনা কাওগী মঙক্লা নপশিল্লগা মকুম অদু মথুং অনিনা থুবাকচন্দুনা

কোম্লগা মখোং অনিনা মচী চীরক্তা লৈপাক শোক্লিং শোক্লিং য়াম্থতুনা কাওগী মথক্তা তোংলগা মিকুপ খরা অরাবা পোথারে। খম্বগী মথা পাংনা পুথিবত্থ মীয়াম্না অরাম্বদা উবদা কাওগী মচীনা খম্বগী লেংদুনা পুরে হায়না রা রা নীম্নরকলে। খদাংচেৎ লোয়াঙ্গী অহাংবা লৈনা তাবত্থ উবদা খম্বগী মশাদগী ঈ শিন্থবা ওইরমানে খম্নরক্লে। লৈবাক অনিগী মীয়াম্না নীম্নরকপা, মাবু মুংশিবা মীনা রা রা কপ্পরকপদো তাবদা মোইরাং নিংথৌ মথরায় রাবে। মনাই শিরম্বা তারে খল্লদুনা মুংশাথীবগা লোয়ননা খম্বমী মক্ত খুনবিনবা কনা কনা লৈবগে হায়-রক্লবদা নোংবান্না ইতাওগী মার খোঙ্গুল লীরুগে চোংথোবরগা ইকোপ পাংলকলে।

কাওনী মথক্তা পোথাদ্রিবা খম্বনা থুমিৎ তাপ্পবদি থুদেং চারোই খল্লহুনা খভহৌদনা চোংথরগা মথুং অনিনা থুনা য়াংনা মচী অনিহু অমুক পায়রে। হন্দক্তি কাও অহু শাভবগী পল্লোল লোমপ্পবোক মচীনা লেংহুনা হাংকে খল্লহুনা মপাঙ্গল থক্লা খম্ববু ইহুক্লে। কাংগা ইম্ন ইম্নবা খম্বনা রাখল তৌই। ঐনা পাঙ্গল থেক্লা ইল্লিবসিগী মহুত্তা চিংশিল্লগা থংথা থাদোক্কে কাওনা তুরিহৈদা নমহুনা কাগে খল্লকলে। কাওনসু খম্ববু নমহুনা ইন্থুরগা তুরিহৈনা মদুক্তা মচীনা লেংহুনা হাংকে খল্লে। অস্তুগ্না মবুক মবুকতা খম্নরগা অমুক চিংশিন অমুক থাদোক্লবদা মখোয় অনি লোংনা তুনৈ, হৌগৎপা মাগ্নে, রানবনিনা থুনা চভশিন্নবদি ভমনভ্রে। মপাঙ্গল মরোং তাম্নরক্লবদা চপ চপ লেংহুনা মমিং মরিদো মিংফম হোংনদনা য়েংনহুনা লৈনরে। রারবা মতম অসিদা লাইরবী মচেম্না থোংবা তরা চহুম অমহুং চাইবদি বাংসি লাইনা কাবা ভমগদবোই নীংই খম্বদো। কাওনসু লাইদকোমগী হানৌ চখোম অমস্তুং চারবদি খম্ব হাংপা ভমগদবোই খল্লি। মশা পুম্বা হুমাংনা পুমগোৎ চোৎনরবা রাবনা থক থক নিক্লরবা শোর থবেং থবেং হোম্নরবা অনিদো চভশিন্নবা কিনরে, শংত্রিক য়েংনহুনা লৈনরে। মতম অসিদা খম্বনা হুমাং তৈথোক্কে খল্লহুনা মখাংদা থেংলিবা কিহু

মাক্লবদা কাত্রং থৌরি থেংনবদা মচেম্না ভাকপিরকপা রাকমহু খুদক্তা নীংশিংলক্লে। মপা পুবেম্বনা থনম্বা লোংঙা চৈবুল অতুনে মচেমনা শীম্নরকপা কাত্রং থৌরি কোঙোইহু লাউনা চিংথোকপগা মমাংদা খমহুনা খম্ব তুংলোমদা হন্দোক্লুনা লৈমায় থক্তা খুরু খুদক কুপ্লে। খম্বগী মতৌহু উবদা কাওহু ভক্তনা মুম্না য়েংহুনা লৈরে। "ইপা ভাঙবা পামহৈবা! নভাও পুরেম্বা কাওরবরা? নচল ভাংথলৈমা নীংশিংবিদ্রবরা? পম্হৌ নহারা অঙাং নাউরা ওইনা কোনবিরম্বা নমোম খমম্ব নপারি খম্ববু মুংশিবিদ্রবরা? নভাও পুরেম্বনা শীভিন্ন-বমবা লোংঙা চৈবুল ইচেম্না পীবকপা কাত্রং থৌরি লৈজবে নচাগী ইরাল ভাকপীযু" হায়না কাওদা থুরুংলে। মচেম খমম্বুনা লৌহিঙবা মণগী রাবী অহু মথশিংনা শিকবুক্লবদা নমু মীরেল থহলবা কাও অহু শাউবগী মহুত্তা মতু ইপোন পোল্লকলে, মমিং অনিনা খম্ববু চিংনা যেংবদা মভাও পুরেংগী চেংগৌ শক্তম নীংশিংলবোই মমিং অনিদো অভংপা লৈভনা পিগী ঈরা চেল্লাক্ল। মচেম খমম্বুগী মমিং পনবদা মানবি থৌরি উবদা মীবোল থোক্তবগী কৌদবা মঙহৈরে থম্বগী নাক্তা তপ্না চঙশিল্লরগা থৌরি কোঙোইদা মহক খিংজিল্লরে। খম্বনা মপা ভাঙবগী থুমাং কোম্দুনা কপলবদা কাওনম্ব মাবু মুংশিনা লেক-পিরে। খম্বনা মানবি থৌরিগী লিভোন পায়রগা মপা ভাঙবা পাম-হৈববু উচিরা তাম্না চিংহুনা পুরক্লে। মহুনিংথৌনা চিংহুনা পুরক্লিবা মপা ভাঙবা পামহৈববু উবদা খম্ব চেম্বোরক্লুনা কাওগী মথোং কোল্লগা কোরৌ নোংনা থোংবশুম কপহরে, কাওনম্ব মমিঙগী পিগী ঈরা শিম্বুনা মমোম খমম্ববু লেকপিরে। খমম্বুনা মপা ভাঙবগীদমক্তা পুরকপা নিঙেল থমজা মাইঙৌবী, লফোই লাঙং হুপনৌ মতোল অনৌবগা লোয়ননা মপাদা কংলে। কাওগা খমম্বুগগী মতৌহু উবদা খোইবী মাম্ব মকোকতা মুগা ঙিহুপ কুপলগা কাওবু লাপনা খুরুমজে। কাও অহু হুপনৌ চাহুনা লাইজ ঈশিং মবুক থম্না থক্তনা ভাহাক অমা পোথারে। অমরোমদা খোইবীনা হৈরাং চরোং অমা পুথোক্তনা থাউদল মানবী

তথোংপী আগ্নি লৈহাও মানবী হনৌবী ফুরাগী কজবী খুৎশাদুনা ন্নগোয় শাবগী মতৌগুম য়েৎলবা হৈরা'ছু মরুভোতোন্দা পী থকলে। খম্বনা হৈ মহী অছু মথরায় ভানা থকপদা অরাম থৌরাংবা কোক্তুনা নৌনা পাঙ্গল হাপলক্লে। কোরৌনা লো চুপ পাংলকলবদা থোইবী খমন্থ অনিদো মথরায় মুংভাইনা রাকয়ৈ হি তোংদুনা লোক্লাক শন্নগা কেগে মোইরাং পাংখি।

খম্বনা কাওগী মাঠ থারগা অরাম্নদা চিংদুনা পুরকপন্থ উবদা নোংবানদো খাই লাউই, মহাংলেন হুমাং অংশপা কায়। মিরমন্থ শান্নগা মনাক্কুম চাটনা লৌখিদৌরে খন্নুবদা শাউনীংবগা নীবা কায়-বপনা লৈফম খঙদদুনা নো'বান্দো চরেংং হাদুং মরুক্তা চঙশিন্নগা নাথ্ওনা পামব কৈ শাদুনা লোৎতুনা হৈরে। কাওনা মনাক মৌরকপদা নোংবান ফুমিন্না লৈখোক্লে, মখুংনা লৈপাক্লা তদুনা মখোঙনা চরোং হাদুং কাওইনা কৈগুম ভংলক্লে। কৈনা ভংবগী মখোল তাবদা খম্বনা কাও শোক্তনবা থৌরি কন্না য়াম্নদুনা ইবুধৌ শাউদিগন্থ য়াইবী থরায় কন-বিম্নু হায়জবন্থ মীনম কংবদা কৈ নত্তে খঙলদুনা কাওদি মপুক্লিংদা শাউনিংলে, মনা অনিন্থ চপ য়ুংদুনা মথৈ ফিরান শাদুনা মন্না কি কি কান্নগা থুমাং থোংদুনা নোংবান্না কৈ শাদুনা চুমথিবা চরোং হাদুং মরুক্তা ওনশিন্দুনা শাউনা য়েংদুনা লৈরে, চিংবদা চংশি য়াজে। নোংবান্না অমুক হন্না কৈগুম হংদগা কৈমায়দা মকোকতু লোম্বদা মনাখোন লুনৌবা চরোংকী মতোন অতুম্বনা থিনবনা থামবা তমহৌত্র বোই নোংবান চাকখি থন্নক্লে। মন্থ তাবদা খম্ব নোক্লিংলে। হাকথি থজিবা পামব কৈশে নমু তাউবং মী মানশেদা হাংদিহৈদা মখুংতা পাঙলিবা থৌরি লিতোংলন্থ থজিকতুং কোমবদা শাউদুনা লৈরিবা কাংন্থু কৈ শাদুনা চরোং চাদুং মক্তবদা লুমলিবা নোংবান্থু হাংকদবগী চোংশিনলক্লরবা ইন্নাও ঐনি কাও খম্ব হায়না নোংমান লাউর লাউরদুনা চেংথারক্লে। কাওনা নোংবানবু হাংকদবগী খোয়তান তারবকলবদা খম্বনা চেংনা চেৎনা ইপাং তাঙবা তাইহিখো শাউবিগন্থ ইতাওগী মথরায় কনহিন্থ

থামগদু কাওনা য়াদ্রিংদে। মনাক্তোরা থম্বু ইপোরগা মচৌনা নোংবানবু থিন্দুনা হাংকদবগী তাম্নারুবদা নোংবান উপথ্রুনা ফুরে। কাওনা হাংলগে থম্বনা মচক নোম্বরকপদা থম্বনা থ্রুনা য়াংনা চোংশিল্লগা মচক কোন্দুনা চিংথোকতুনা থামলে। নোংবান ফুক হৌগংলি মখি কনথোকই। মতম্মক্তা কাওগী থুমাংনা নেংকদবগী হাইথরকপদা নোং-বানগী লেংজুমদ, থুঙ্গিল মকম লৈবা ঈডাং থক্তিক থোকপদু নাহুনা মথুংনা শিং শিং নাচি কাওনা শাউহুনা মচোন্দা শংত্রিক য়েংবদু উবদা নোংবান থিদুন, মতুং হন্না হন্না য়েংদুনা চেনখি। থম্বনা কাও চিংদুনা অমুক লাকপদা অঙম অথৌ কন্নাইবা মীয়াম থিল্লিবা মকমদু য়োরক্লদা মপাম থোংফেংগী শগাই মথোঙদা কাও পুনশিললগা নিংথৌ অনিগী মমাঙদা থম্ব কেংয়াং রাপুম তাবগুম থুরুমলে। মফম অসিদা নোংবান চেংলক্লুনা মপু মাইরাং নিংথৌদা হুরুয়গা 'ইনিংথৌ! ননাইনা চংখিবা মতমদা ইতাওদি কাওগী মচৌ য়েংথংবদু পায়দুনা চেংলংদু উদ, ইতাও শিবা তারে থন্দুনা ননাইনা চোংশিলগা ওইংবা মচৌ পায়রগা ঐথোয় অনি চঙদুনা ফামিন্নবা কাংনি। ঐনা পাংকা কুম্নগা থোঙ থুং হাংমকিতৈদা ইতাওনা কাও চিংদুনা পুখিবনি পুমিন্নসি চংমিন্নসি য়াদে। ইতাওদি লায়রবনি, সনা লুপা লল থুম মচোন্দ, পীবিথো, ননাই করিসু য়েংচরোই। নমোম লাংজেংদু কাও ফাবগী মনা ওইনা থম্বদা পীখিবা তারবদি ননাইদি য়াঙনিংদে। নোংবান ঐনা কাওগী ওইথংবা মচৌ পায়রগ ফাগিন্নে হায়রসি থাক্ত-বিক্রগা ননাইঙ্গী লেংজুবদা কাওগী মচৌনা থেংখিবগী হুদোক্লুনা চৈ থোক্লিবসি মপুনা মিংয়েং তানিরগা অচুম অয়ান থিদিদু হায়না নোং-বান্না মকুবিং তাংথংলগা উংলে। নোংবানগী রাকংতু তাবদা লৈবাক অনিগী মীয়ামদু রা মচেং অমত্তা তাওনদনা তুমিন তুমিন লৈনখি।

মতাও নোংবানগী মীনথা রাকংতু তাবদা থম্ব শাউনিংবনা মশা থক থক নিক্লুনা নোংবানবু চাগদবগুম য়েংলগা, 'ইতাও! মঙনা মোইরাং নিংথৌগী থুংসু হিমেন তা পায়দু ঐনা থুমন নিংথৌগী

খুংসু তা পায়গে। নিংথৌ অনিগী মাওসিদা ঐখোয় অনি লাইবক চাং য়েংনসি য়াইবী থরায় পাম্মনরগম্মুসি' হায়না খম্ব হৌগংলগা নোংবানগী খুজেং পায়দুনা চিংখৎপদা নোংবান থাংলে। মোইরাং নিংথৌনা মুংশাথীরদুনা তমুম অচানবা অশাউ পরৈ হনখো হায়না খম্ববু থামজিল্লি। খম্বনা মথুং অনি লোম্নরগা অশাউ থাম্বী মৈচারা হেনখিবনা মপু সনা মাওদা থোগললোন কায়খিবা রাহৈ ফারন চন-খিবা ননাইগী ইরাল ও.কপিম্মু হায়না চরৈ ওক্তা য়েংতুনা খুল্লমজে। নিংথৌনা চাউবা থোংলেন অওম্বা অনিবু কৌরগা তমুম অনিগী অচুম অরান রায়েন্তু তাকপিরে। মতম অসিদা খুমন নিংথৌদি রা ভাফেন্দ্র-বমু পায়মা মুংদদি থাম্বী মৈ হৌবওম শাউরে। মনাম খম্বনা কাও কাবগী মনা কংজ্রবদি মোইরাংগা লাম্নেংননবা অওম অথৌশিংগা লোম্না রাজারখি। খুমনগী থোওমী লাম্মীনা মোইরাং নিংথৌগী শগাই কোয়-শিনজে। চাউবগী রায়েম্না খম্বনা চুম্বা, নোংবান্না লানবত্থ তাবদা নিংথৌনা কেগে চাউবা নোংথোম্না তারিবা রায়েল পরিং অসি য়ানিংত্রা য়ানিংদবরা হংলক্লে থো'লেম্না। 'ইনিংথৌ! ননাইদা হং-বিরবনিনা ইতাও চাউবা নো'থোম্না তারিবা কাও কাবগী রায়েল পরিংসি ননাই.দি য়ানিংদে' হায়রকপা থোংলেনগী য়ারাম্থ তাবদা অথৌবনা নৌনা অমুক রায়েনবিরো তাকপিরক্লে মপুনা। 'ননাইবু রায়েলজৌ তাক-পিরবনিনা অমম অঙান থায়রিবা চিংও মাবু রায়েলহনসি লৈবাক মীয়াম্না অচুম অরান য়েংবিম্মু। নিংথৌ অনিগী সনা মাদদা কাও থাদোক্লগা খম্ব নোংবান অনি নাইজোম নাইজোম থাহিন্দুনা অমুক কাহনসি লৈবাকী কু.ম্ম ওইনসি' হায়রকলে। থোংলেনগী য়ারাম্থ লেবাক অনিগী নিংথৌন য়াবিরে। মীয়াম্না পললোন শানা কোয়শিল্লগা কাও থাদোক্লনা নোংবানবু হাম্না কাহল্লে। নোংবানগা কাওগা রাংলেন মিকুপ থরদং ইরবদা নোংবানদু থাওবা ওমদহুনা কাংগী মমাওদা চেললে, কাওনা মাবু হাংকদবগী তাম্নরক্লে। ইকায়বা থওদবা লোংবান্দো মথরায় মাওনিংদবদগী মোইরাং নিংথৌদা য়াইবী থরায় কনবিম্মু হায়জরক্লে,

নিংথৌনা য়াবিরে। মপা অঙোম খম্রাকপদা হায়জবদা থোংলেন অথৌবদা হায়জৌ তাকপিরক্লবদা নোংবান্না চেননা চেননা কেগে থোংলেন অথৌবদা য়াইবী থরায় কনবিয়ু হায়রক্লে। মাগী য়ানাহু তাবদা থোংলেম্না ফাক ফাক নোক্তুনা নোংবান য়াইবী নথরায় হিংনিং-লবদি অশেংবা হায়দোক্লো তাকপিরে। শিবা বিবদগী নোংবান ঐ কাও ফাবা য়াওদে থোইবী প্যাম্বদগী হায়রবনি, ইতাও খম্বনা থাজ-শেংনা ফাজবনি' হায়না চিংঙ্ থাংজৌ পন্দুনা রাশক্লবদা মৌসুংশি খঙবা থোংলেম্না নাকন্দগী থাঙ শংলগা শগাইগী হামেংজৈ ময়িহু ককথংতুনা তারক্লগা নোংবানগী খুজেং পায়হুনা শগাই নাকন্দা চিংখংতুনা মথরায় কনবিখি। মহু উবদা মীয়াম্না থোংলেনবু থাগৎনখি। কাওনা নোং-বানবু হাংহৌদবগী শাউবনা শগাই মথোঙদা খুমাং থোৎতুনা ফি ফি কামহুনা থোংলেনগী শগাই থ্দেক্কদবগী তৌরকলবদা খম্ব চঙলক্তুনা কাও অহু অমুক হন্না কারগা নিংথৌ অনিগী মমাঙদা চিংহুনা পুরকলে। মহুদা নিংথৌ অনিনা পেল্লহুনা মনা মথ্ম পীবিরে। খুমন নিংথৌনা মনাও খম্ববু চেংনা কোল্লগা সনানা য়োমবা হিদাকফু লুপানা য়োমবা তোংজে ভাম্বক পীবিরে। মোইরাং নিংথৌনসু মশাদ থোল্লিবা ময়েক লানা ফজবা নিংথৌফিহু খম্বদা কুপশিরে। লৌ পরি মঙা, যণপোং মঙা মপা পুরেম্বনা চারমবা থ্মংথাংসু পীবিরে। হাজোন নিংথৌনা চরে নমথাং তরেৎ শেঙ্গা পীরে। অঙম অথৌ যম্নাইবশিংসু মানা মানা ভমবা মনা কয়া খম্বদা পীরে। মোইরাং নিংথৌনা মতাও খুমন নিংথৌগা লেংগোম্নরম্লগা হি তোংহুনা মোইরাং তাং হল্লকলে, ফিল্লম্বা মীয়ামসু ময়ুম ময়ুমদা হল্লখ্রে। নিংথৌ ময়াথং তুংইন্না খম্বনা কাওহু ময়ুম তাম্না চিংহুনা পুরকলে।

নোংঙাললগা কাওহু ঈশিংনা শেংনা ঈরুজথোকপিরগা নিংথেল থ্ম্পাক মায়তৌবী, লফোই লন্তং হুপনৌ মতোল পুথোক্তুনা পীজরগা মচিল মৌপ্না অনিনা খুমাং কোললগা খুরুমলে। কাওনা মচিল মৌপ্াবু চিংনা য়েংলগা মমিংতা পিগী ঈরা শিন্দরকলে। খম্বনা কাওহু

থাংজীং লাইরেম্বা তাম্না পুরকলে। লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীনা হৈরাং লৈরাংগা লোয়ননা নিংথি ওইবা পামহৈবা কাওবু থাংজীং লাইদা কংলে। মুসিং অচুম্বী কাওবু ময়াদা নাপি মকা অমত্তা চিক্লুনা লাইজ ঈশং থুম্না অমা ফাওবা খক্তনা থাংজীং লাইশঙগী কৌক্রু পাংবা কাচিন্দা কুম্লুনা লৈখি। কাও কুম্লবা মফম অদু গৌজিক ফাওবা নুং অমা হুংহনা থমখি। কাওনা করিসুম্বা চাদ খক্তনা কুন্দুনা লৈরকপসি উবদা মচিল মৌপা অনীনুংশা থীরক্লুনা কাওগী মখোং কোন্দুনা কপলকলে, কাওনসু মখোয় অনিবু মুংশিনা লেকপিরে অহোং অচুম্বা কাওনা খয়দুগী মমঙদা লাক্লা 'ইমোম ইবেম্মা খমদু! উপাদি নচিন নৌপাবু থাদোক্লগা কোরৌ নোংজাংহৌগে। হয়েংদুক্তী মপোক অমদা ইপা ইচা উম্নসি' হায়রে। খয়দুনা মিকপ থোরক-পদা নোংঙাল্লমলে। মচিল মৌপানা থাংজীং লাইমাঙ তাম্না চেক্লনা য়েংবদা কাওদি লৈরমজ্রে খিবা ফংদ্রে। থাংজীং লাইকোল থাদোক্লগা চংখিবা কাওদু মঙানি শুবগী অয়ুক অঙনবদা থাংজীং চিংগী লোক তুরেল খোংবান্দা য়াইবী মথক্তায় থাখি। পাউ অসি তাবদা নিংথৌনা অমাইবা অমাইবী থাদুনা কাওগী হি-য়াই লৌক্লগা থাংজীং লাইশঙগী অরাং থংবদা কোম হৌরগা ফুমখি।

তরামঙ শুবা মতাং

উকায় কাপ্পা

চগী খুদিংগী মেরা থাগী তরানি পানবা মুমিৎ অসি কুম্মা অচুম্বী কুমচৎ লাইচৎ য়েংনবা অফ কন্না খওঙনবগী লম্নদা পোইরে মরক্তা লৈবাকনা কাক তারে, নোংমাই খুমন লৈবাক্কা হৈক্কে তেল-চাইরে, কেগে মোইরাং লৈবাক্কা উকায় কাপনে। অচুম্বা মপা মপু নিংথোংরোল কয়াগী থাজবগী কাম্দনা চংবরক্লিবা লৈবাক নিংথৌগী

ওইনা হয়াও কুইম্মে অসি কুমসি কুমজাম্মু কেগে মোইরাং লৈবাক্তা উকায় কাপ্পবা শেম শারে। নিংথৌ খুদিংগী মানা মানা পাল্লিহৈদা কাপলগা উকায় অদু মাঙহন্দনা থম্মী। উকায় কাপ্পা হায়বসি মীগী মরেপ তম্না শেম্বা উপাকনি। উপাক অদু মীনা মতু্দা চপ য়ুংনা পায়রগা মহুদা তেলনা তমহুনা কাপপি। মরাইহক থীরবদি উকায় পাবরিবা মীহু তেলনা পান্দুনা শিবস্ন য়াংই। অদুনা চহী খুদিংগী শক্তিবু চৈরাওবা হুমিল্লা চৈথাবা মী হাপ্পগুম উকায় পায়বা মীস্ন হাপনৈ। উকায় পায়বা মীদি নিংথৌগী লান্নপ বোকনৈ। উকায় কাপনিংইদা তুহনবা য়াদে, করিগুম্বা তুরবদি পায়রিবা মীহুগী অমাঙবা ওই, তৌহৈদে থাক্কনৈ। তুদবা থোক্লগা নিংথৌনা মনা ওইনা থুহোল অহুম পী, লান্নপ কোকপি। চহী খুদিংগী নিংথৌনা উকায় কাপ্পদা পানবা তেলথুল অদু উকায়দা হগুনা হিনিন্নুনা থম্লে। মমাঙগী চহীদা পানথিবা তেলথুল অদুদগী কুমসিগী তেলনা মথক হাংগৎনা পাল্লবদি লৈবাক নিংথৌ চাওখৎলি, তেলথুল হাইথবগনা অরা অনা নংই হায়রবদি মমাংহৈদগী তৌনা থাজনরক্লবা লাইগী থুদম চাংয়েংনি। খম্ব নোংবানগী মতমদা নিংথৌ অমদি রাঙ্গোল নিংথৌ মচিল মনাওনা উকায় কাপ্পা চহী অমিদা উকায় পায়বিনবা মী লৈতবদগী তারি নামোইজাপ্পনা উকায় পায়। কুমসি কুমজাগী উকায় কাপপদা অঙোম নোংবানগা মবুঙোতোন খম্বগা চৈরে ফিদাম্নহনগে থন্দুনা থোইবী মথুংমরা মাঙজোননা চৈরে ফি অমা শারম্মী। মানা শাবা চৈরে ফিহু খম্ববু ফুরিং ওইনা লিংহনগে কেগে মীয়াম মমাঙদা কেন্নহনগে থল্ল-হুনা চিংগু থাংজীং লাইবু খুরুম্নগা থোইবী সেম্ন মপু মনাইনা অমুক মংথিল থাক্কনা ময়েক তুনা হাপ্তুনা লৈরোং মণীং রাংতনা শাবা ফিহু লোইরে। হন্দক মমোম্মা মথরায় য়াওনা শাবা চৈরে ফিহু উবদা মপা চৌংথু নহা তেগহৈবনস্ন পাম্নম্মী। ফি শাবা পুমলোই লোইরগা জোগে থন্দুনা মমোমদা মাঙজোননা বা কাংথোকখিদে। ফিহু শাবা হেক লোইবগা থোইবীনা চৎতুনা থন্বদা ফিহু পীরগা ফুরিং ওইনা

তুরগা উকায় কাপ্পদা চিংপিয়ু, কেগে লৈবাক মীমাঙদা ইপাগী পানা মকোক্কি থঙনা লেম্মবিয়ু হায়জখি। ফজরবা ফিত্থু উবদা খপ্প মাস্থু মপুক্কিং তাহুনা হন্নাওজে।

মেয়া থা পানথংলকপা উকায় কাপ্পগী মতম ওইশিল্লক্লবদা নোংমা মপানা থোইবীদা মানা শাবা চৈয়ে ফিত্থু ইপা উকায় কাপ্পদা ফুম্বিং ওইনা তুরগা লিংনগে হায়রক্লে। মপাগী রাত্থু তাবদা থোইবী খাই লাউই। 'ইপা ইবুঙো! নমোয়া শাজবা চৈয়ে ফি অত্থুদি পম্থৌনা পুক্কিং তাবিরমগনি থঙদবগী কেগে কনাগুম্বা লৈত-লায়রবা চাকনি ফিনিবা তমবদা তৌরেং মমল পৌননা পীথোকপ্রে' খুমলকই। মমে মগী যরাত্থু তাবদা মপাগী পায়মা সুংদা চিংনবা পোক্ত্না কেগে কয়ি লৈকায়দা লৈবা মোইরাং কনাগী মচানো তৌরেং মমল পীত্থুনা হন্দোকে হায়রক্লে। পম্থৌগী পায়মা খোয়দাগদবা মত্তদগী হেন্না ফজবা চৈয়ে ফি অমা উকায় কাপপা নংনবা নমোম শাজগে হায়জবস্থু মপাবুংনা শাউত্থুনা য়াখিদে। হন্দক ইমোয়া শাবা চৈয়ে ফিত্থু য়াম্বুং নিংথৌ, চাউবা নোংথোন, থোংলেন, অঙোম খদ্রাকপা মীওই মরি অগিনা শেং ইঙ্কবদি মতিক মাপা চায় ঐ করিস্থ সুংঙাইতবা তৌরোই। অত্থু নত্তহুনা কেগে মোইরাং মচা কনাগুম্বনা চৈয়ে ফিত্থু শেংপা ইনবা উরবদি য়াইবী মথরায় লৌগে হায়না চিঙু থাজীং পন্দুনা শরি রাশক পন্দোল লোমখি। মপাগী অশাউবা রাতাং অকনবা শরি রাশক্কু তাবদা থোইবী মপুক্কিংদা সুংশাথীরে। নোংঙানবগা মনাই সেন্নু পুরগা মশাবি মমানমচা খংগী নাঙ। লাক্কুনা মানা শাজবা চৈয়ে ফিত্থু য়াম্না চেকশিন্না কেগে কনা খঙ্ক্লদ মোইরাং কনা উহন্দনা চৈয়ে ফিক্সুংদা ফুম্বিং ওইনা তুরগা লিংপিয়ু। চৈয়ে ফি অত্থুগীদমক্তা ঐবু পোকপা ইপানা নিঙোল ঐবু রারোরে। থম্বিগুম্বা চৈয়ে ফিত্থু ইপানা উথিবা থোক্লবদি ইবুঙোতোনগী অফবা ওইরোই হায়না মশানিদা পুকমেন পাওমেন্নরক্লে। থোইবীগী য়ারাত্থু তাবদা খম্বগী মপুক্কিদা চিংনবা পোকলে। মজাইবেম্মনা শাবা চৈয়ে ফিসি নপাবুংমা পাম্নবদি শেংহক্কু, সুংশিবিরগা

চানবিরগা ঐদি চামারক শেংপা ইনবা য়াই হায়রকই। খম্বগী য়ারাহু ভাবদা থোইবীনা করি য়ারানো ইবুঙোতোন, কেগে মীরক তিনবদা নোংবানগা চরৈ ফিদাম্নবদা নিঙোল ইথুংনা শাজবা চরৈ ফি অমতংবু ফুম্বিং ওইনা লিংহঞ্জগে হন্দুনা মতম চঙনা শাজবনি। পাখংগী পাম্নমা মুংদা করিস্তু চিংনবিরুগম্ন চিংঙ্ থাংজীংনা তম্বা লাকনি। হায়রম্লগা থোইবী সন্নু মপু মনাইদো ভম্পাকয়ুম পাংখি। চংনা চংনা লম্বীদা মপু মনাইদো চরৈ ফিতুগী মরমদা খম্নরকই। পাম্ মকাদা পীরবা চরৈ ফিবু পম্বৌ কিবদগী করম্না অমুক লৌরুগদগে, থোয়ুম নোংদমখোল য়েংগে খল্লক্রে থোইবীগী মপুরুক্লিংদা।

উকায় কাপকদবা মুমিং অসিদা লৈবাক্তী অঙম অথৌ কম্লাইবা অকল অথৌ পুম্নমকস্ম তরা চাকঙল চারগা মানা মানা ফংবা মনাফি শাফি লানফি শেং-চারগা কংলা তন্না লাক্ররে। নোংম্লাই খম্বস্তু মাগী হাম্না লৈজবা ফুরিংনা হকচাং পক্কা লিংশিল্লে। মতুগী মথক্তা থোইবীনা শাবা ফিনা তুবা ফুরিংতু লিংলে। কাও কাঙেদা মোইরাং নিংথৌনা পীবা মনাফিনা তুবা ফুরিংনা মথক্তা লিংশিল্লে। মচেমনা য়েংবদা থোইবীনা পীবা ফিনা তুবা ফুরিংনা মতুংদা চিংলিব অতু উবা ফংদ্রে। মচেমগী য়াথং লৌরগা থংস্নু কংলা পাংলকলে। থঙ করা চৌংগী চৌং-থক্তা থাকপা লাং কাইকয়গা কুম ফবে হায়না নিংথৌদা পাউদমংরে। উকায় কাপনবা অঙম অথৌ ময়াম্না থৌগল তৌরগ পুং শেল য়ৈহুনা নিংথৌ মচিল মনাও কংলাগী শামাও তাম্না লাক্লে। উকায় কাপপা য়েংগদবগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তী মীযামনা ফিঙৌ ফৌবগুম তিল্লক্লে। নিংথৌগী সনা নাক্তা পানাগী মকোক নোংবান অধা কোংয়াম্বনা তেল থুনগদবগী থুরু থুদক কুন্দুনা লৈল্লে। নিংথৌনা মথংতা লিরুং তেল পায়হুনা উকায় তমনা তেল কাপক্লবদা নোংবাম্না তেলগী মতুং ইন্দুনা চেনখ্রগা উকায়দা য়ুংলিবা তেলতু শংলগা চেল্লকুনা নিংথৌদা কংলি। অম্রম্না তেল অহুম্নক কাপ্লম্নগা নিংথৌদি সনা শঙলেনম্লাই পাংখি। নিংথৌনা চংখ্রবদা হাঙোন নিংথৌনা উকায় কাপকদবগী মথুক্তা লিরুং

পায়রগা। চঙশিল্লক্লবদা পানাগী মকোক নোংয়াই খম্বনা তেল খুনগঙ-বগী থুক খুদক কুপ্লুনা লৈরে। য়াঙোন নিংথৌনা উকায় তমনা তেল কাপলবদা খম্বনা তেলগী মতুং ইন্দুনা মুংশিংকী মমাঙ খানা চেনখি ছুনা তেলনা উকায়দা পান্দবগা তেল শংদগা য়াম্নমক উবদা মীয়াম্না খম্ববু খাগংনখি। শংপা তেল অহু পুরগা চেল্লকুনা য়াঙোন নিং-থৌদা কংলি। অনিশুবা তেল অহুদি উকায়গী মতোঙদা পাল্লবদা খম্বনা চোংথংদুনা তেল শংদুরগা তায়কপদা মথুংনা কৌদুনা মথক ইথং থংনা লিংলিবা কুম্বিংকী হৈরু তংলে। খম্বনা তেল পুরগা চেল্লকপদা মু শিংনা মশাদা য়ৈবদা মথক থংদ লিংলিবা হৈরু তংলবা কুম্বিং অহু শায়দোকুনা কিয়ুদা লিংলিবা থোইবীনা পীবা কীনা তুবা কুম্বিংকী কিজি অমা য়াঙোন নিংথৌনা উথোকখ্রে। মাদা য়াশকখিবা কিদুনা তুবা কুম্বিং অহু খম্বনা লিংপাদু উবদ মনাঙ ইবুঙোদো শাউবনা নুঙোন কাখিদুনা লমজা য়াইবদা চোংগে থল্লখোই তেল পুদুনা মনাক তাম্না চেল্লকলিবা খম্ব তমনা তেল কাপশিল্লক্লে। য়াঙোন নিংথৌনা কাপলকপা তেলনা মথবাক তমনা পাইশিল্লকপদু উবদা খম্বনা মথুংতা পায়রিবা তেলনা তেকজিন য়ৈথরগ। য়েংথংবা পাম্বোম মখাদা লিংহল্লে। অমুক হন্না মাবু তমদুনা কাপলকপা তেল অহুম্ব তেলজিল য়ৈথরগা ওইথংবা পাম্বোম মখাদা লিংহল্লে। অহুমলক তুবা তেল অহু কাপ্পকপ্বগী লিরি চিংলকপগা খম্বনা চোং-শিল্লকুনা মমাঙদা লেপ্পগা তেল পীবদা য়াঙোন নিংথৌ শাউদুনা তেল লংনরে, মমায় লৈথেকুনা কৈরে. খম্বনা পীবা তেল কৌজ্রে। মহু উবদা মীয়াম্না ওকুনা করি মতোংনো কায়না খাংদনুনা নীমরক্লে। ইকায় খাংদগী খম্বু য়াঙোন নিংথৌনা লৈথোক কৈথোকপা মাইকৈদা চঙশিন চঙশিল্লুনা তেল কংলকপবদা তৌকম থঙমদুনা মকাই নোংবান য়েংদগা 'কয়ুম নোংবান তেল পীদু' হায়রক্লে। নোংবান্না চেনশিল্লকুনা খম্বুকী মথুংতুগী তেল কৌরগা য়াঙোন নিংথৌদা পীরে. খম্বকি ইকায় কন্না মরু থুকুনা লৈরে। থৌদোক অহু উবদা অঙম অংবা কম্মাইবা

পুন্নমকতু ভক্তুনা লৈনখি রাদি কাংথোক্লবা ভুমনখিদে। কুমৈ য়েংলম্বা থোংলেম্না শাউহুনা ফমফমদগী হৌগংলক্লম্দ মত্তাও চাউহনা হাম্‌জিল্লি। নোংবম্না পীবা তেলহু পায়রগা 'তমুম অচানবা! নঙনা ঐঙোম্দা তেল পীবসি ঐ পেল্লে। ভসিদগী নহাক্না ঐগী পানা পাম্বোম ওইরগদবনি। ঐনা পোকচবা ইমোম লাংলেন নোংবান নঙোম্দা থাজরবনি। ভসিগী মাপললনিগুব' মুমিত্তা তাউজিং হৈরাং কাম্‌ক্লো অফবা মুমিং থ' য়েংলগা লুহোংনবা থৌরাংলগে হায়রকই। নোংবান্না পীবা তেল অহুনা কাপক্লবা মতুংদা চৌংথু তেলহৈবদো মনাই নোংবানগা পোয়ননা তম্পাকয়ুম পাংখি। চাউবা থোংলেন অনিদি নিংথৌগী সনা শঙলেনয়াইদা চংহুন' থুক্লম্লগা মনাও ইবুঙোনা মদাইরেম খম্বদা তেল তমহুনা য়াইহৌ লৌগে তমশিংববু করম্বা মরাল লৈবগে চক্লংলক্লবদা নিংথৌনা ঐদি খঙদে হয়েং কংলাদা হৌদোকপিরকউ লৈবাক খঙনা থম্ন'সি তাকপিখি। চাউবনা মমাক খম্বদা করিগী মনাও ইবুঙোনা নঙোম্দা তেল তম্লিবনো হংলক্লবদা তাক্লবা য়াদহুনা থোইবীনা শাবা রাশক ফিনা ভুবা ফুরিং লিংলুবগীনি খঙহনখি। খম্বগী য়ারাহু তাবদা থোংলেন থাক্লা থাক্লা নোক্তুনা পারি ইবুঙো পায়মা মুংদা চিংনক্লগমু ইপা লৈরি হায়না মপাম্বোম তিংখি।

রাজোম নিংথৌনা ভম্পাকয়ুম হেক য়েংবগা থোইবীগী মমা তম্বামাথোই কৌথোক্তুনা, ভসি তয়ুম নোংবান অথা কোংয়াংদ: ঐনা পোকচবা ইমোম লাংলেন থোইবীবু কেগে লৈবাক মীমাঙদা থাজরম্লে। ভসিদগী মাপলনি গুবা মেরাগী তরানিপালনি পানবা মুমিংতা তাউজিং হৈজিং কারকনি। চামা চামনা থুজিং ওইরগা ইমোমগী অঙং অউন তম্নবা নমা নংথোয়না অপাম অপাম্বা অউনপোং লাংজরো হায়রকপা মপাবুংগী য়ারাহু থোইবী সেমু অনিনা থোংজিল মরামদা তারম্মী। নোংভালগা থোইবীনা মপল নিংথৌগী সনা নাক্তা চংহুনা, 'ইপল ইবুঙো। কাও কাউদা নমোমবু নোংয়াই মঙোম্দা থাজখিবহু ভসিদগী নিপালনিতবা মুমিংতা তাউজিং হৈজিং কানবা সনা য়াথং পীবিয়ো।

অকবা মুমিং থা মেংলগা নমোমবু লুহোংবিরো, খুমন মগাইদা চৎচ-রগে, নোংযাই লাদা তাজরুরগে' হায়রক্লে। খোইবীগী য়ারাচ্চ তাবদা নিংথৌনা 'ইমোম ইবেম্মা। নপাবুংনা ঙরাং ইমোম নঙবু অঙোম নোংবান্দা থাজখ্রে পাউ তারে ইপলস্থু। হন্দক নপাবুংগী থৌদোক অসি ইপলদি পায়মা মুংদা পেনদে কেগে লৈবাক মীমাঙদা ইকায়-বনা তাংজ মায়সে পুবা ঙম্মোইদৌরি। ঐনা পোকচবা ইমোম নত্তবনা লাংলেন নহাকপু ইপলনা থাজ য়োনজবা ইনীং ইথা ত্থবা ঙমদ্রে। কাও ফাওঁদা নোংয়াই মতোন্দা ইপলনা থাজরুবস্থু নপাবুংগী য়াকা মতুং ইমনি" হায়রক্লে। মপল নিংথৌগী য়ারাচ্চ তারগা খোইবীনা, "নমোম ঐবু ইপল নিংথৌ অমদি পন্থৌগী য়াথং ঙাক্রা খুমন লাদা তাজরুরগে খন্দুনা চিংঙু থাংজীংবু পল্লেপ্পজখ্রনি। হন্দক অমুক নিঙোল পোকপা পন্থৌনা অঙোম ন্যোংবান্দা থাজবিবসি নমোমদি য়াজনিংদে ইমং অনিশুবা ঙমজরোই", খুমলকই। মমোম লাংলেন খোইবীগী অরেপ্পা মপুক্লিংগী য়ারাচ্চ তাবদা নিংথৌ পায়মা থৈনা পেনখি। ইমোমা পায়মা পুক্লিং লেপ্পবদি ঙসিদগী নিপালনি শুবা মেয়া থাগী তরানি-পাননি পানবা নোংবাম্না হৈজিং কাগদবা মুমিং অসিমক্তদা খুমনগীস্থ তাউজিং হৈজিং কাররুবা নমহানশিংগা তাম্নরুরো। অয়ুক্তনা নোংবানগী হৈজিং কারসন্নু, মুংথিন্দনা খুমনগী হৈজিং কাজরো তাকপিবা মপল নিংথৌগী সনা য়াথংবু ফংলবদা খোইবী মথুরাম্ন মুংঙাইনা মমহান-শিংগী নাক্তা চঙহুনা খম্বগী তাউজিং হৈজিং পুনবা রাঙাম্নবা হৌরক্লে। মশক মতৌ কজবী নহা মুপী কুনমঙা লায়রশঙদা হৈজিংগী পোংচৈ পুনবা থৌরাংস্থ তৌবিরে। অস্থুম্না খোইবীনা মমহানশিংগা রা তাম্নবা লোইরগা মনাই সেন্নু পুত্থনা চেংগৈ পাংলকলে। লায়রশঙদা চঙহুনা মনম্মা খমমুদা তাউজিং হৈজিং কানবা হৈরাং অহেনবা কবোক হৈবোক অথেনপোং লৈনবা তরেৎ শেঙ্গা পীরম্নগা তম্পাকয়ুমদা হনখি। তম্পাকয়ুম য়োরগা মমা তরামাথোইদা নোংয়াই খম্বগী তাউজিং হৈজিং কাররুনি ইমাথোয়না হরাও তরাম্না ওকপিয়ু হায়জখি।

পাউ অসি তাবদা রাজোন নিংথৌ শাউদুনা মনাই নোংবান কৌরগা তসিদগী কেগে কৈথেল মাপলদা য়োনবা তাউজিং হৈরাং অমত্তা চোইথোক-হনগদু তাকপিখি। নোংবান্না মনাই মরাম থাদোক্লুনা হৈয়োনবীশিংগী মমুম ময়ূমদা চংতুনা অকংবা হৈরাং পুন্নমক খোমজিলহল্লে, পাম্বীদা পানবা হৈরাংশিংসু অমত্তা থাক্তনা হেকহল্লগা মমল পীদুনা লৈশিল্লে।

লায়রবী খমম্নুনা তরেং শেঙ্গা পুরগা কেগে কৈথেল মাপলদা চংতুনা হৈরাং লৈনবা থিবদা ফংখিদ্রে। মদুনি,থোগী তাউজিং হৈজিং কানবা হৈরাং অমত্তা ফংলক্রুবদা মথরায় রাদুনা খমম্নুনা কপ্পদু চিংঙ্‌-থাংজীংনা উবিরবোই মপাগী মরূপ কবুই শলাং নিংথৌবু থুদক্তা নীং-শিংহল্লে মপা শলাং নিংথৌদা পীক্লনবা তিলহৌ চনম তাখা থজিংন-চিংবা লেমলৈ তারম লৈরগা খমনু ময়ূমদা হল্লক্লে। মচেম্মা তাকপিবা মতুংইন্না নোং হেক তানবগা মচেম্মা য়োম্বা পোংয়োমদু পুরগা খম্ব মপা শলাং নিংথৌগী লোইবী মশাইকোল তম্না হৈয়াং নিবা চংখি। থোইবেম্মাক লাল্লগা হাওলম্বী মতুংইম্না কাথংলক্লুনা লোইবী চীংথাং য়োরকপদা লম্বী মাঙথোকখিদুনা চংকম খঙদবদগী হাওগী পামলোদা চঙশিল্লি। পাম য়াল্লিবা হাও পাথং তরাদু যু তাওদুনা খম্বনা লম্বী হংবদুদি থুমদনা উশিং থওইদনা করেম্নরক্রবদা শাউদুনা মখোয় তরাগা মতোমদগা ক্লনরে। হাওয়াম ওইরবসু খম্ববু লাকচবা তমখিদে। খম্বগী মনাঙ্গল মরিংজেল মথৌনা উবদা হাও পাথং তরাদো কিরক্লুনা অরোনবা লম্বীদা চেনগ্রগা শলাং নিংথৌদা তাকলুরে। মশক খঙদবা তমগী মুপা অমা লাক্লগা ঐখোয় তরাবু ফ্লবিরে হায়রবা হাওয়ামগী য়াকংতু তাবদা শলাং নিংথৌনা চিংনরদুনা হাও অহল অনিথক থারক্লুনা খম্বদা করিগী লাকপনো কনাবু থিরকপনো হংলরে। ঐদি য়োইয়াং মচানি ইমিংনা খম্ব কৌই ইপা শলাং নিংথৌগীদমক্তা পুরকপা পোংয়োম অসি পীগে লাকপনি হায়রকপা য়ারা মপাউদু তাবদা হাও অনিদুনা লমজিংলগা শলাং নিংথৌগী ময়ূমদা লাকই। খম্ববু উবদা মাজোম্বা কম্নম্বা শলাং নিংথৌ হৌগংলক্লুনা মপারিবু চেংনা কোল্লগা

নোংলেন খোংবগুম কপলক্লে। "পারি ইবুঙো! পলেম নমা শক্লবী লাইবকচাউবী ইমোম থমমু করম তৌরি, ইমোমগী চেংলৌ মশক উদবা ইপাদি কুইরেদা" হায়রক্লে। ইপা ইবুঙো, লায়রবী ইচেম্মা কেগে অউন কৈখেন্দগী ইপাগীদমক্তা লৈরকপনি হায়না মপাদা পোং-য়োমদু শিন্নরে। শলাং নিংথৌনা শলাং লৈমা কৌথোক্তুনা মপারিগা উনহনবদা মবুকথোক্কী মচাগুম মুংশিনা কোল্লগা "ইমাগী ইবুঙো মুংশিবা, পারি পাঙ্গল চাউরম্বা শমা কাংদোং ফারম্বসি উবদা ইমাগী থম্মোয় পেল্লে" হায়না হরাও তয়াম্মা চৌবিরহদা থম্ মাস্তু অপোকপা পলেম পন্থৌ উনবগুম মুংঙাইজবে। থম্বনা শলাং নিংথৌগা চামিন থক-মিন্নরগা ইপা ইবুঙো মজাইবেম্মা খোইবীগী হৈজিং খরাই কাবদা পুনবা হৈরাং খরা পীবিমু নীরক্লে! থম্বগী য়াঙাদু ভাবদা পারি ইবুঙো, পারিনা হৈরাং নিগদবা নত্তে নপা পুরেম্বনা থনম্বা হৈশিং মুনা হৌরবা হৈকোল অনিথক লোইবী ইশাইকোন্দা লৈরি। মতুদগী অপাম্বা তাউজিং হৈরাং হৈশিং মুনা হেক্লবা লোইবী হাও পাথং তরামু পারি নত্তেঙ পাংহনগে তাকপিরে মপানা। মপানা পীবা হাও পাথং তরাগা লোয়ননা থম্বনা মপাগী হৈকোল অনিদা চঙদুনা কজ কজরবা হৈমুম ফানা মুম্ববা তাউজিং হৈরাং হৈশিংগুনা হেক্লগা হৈল্লাম অদু হাও পাথং তরানা লেংকোক্তা হাপ্তুনা ময়ুম তাম্মা থিনবিরক্লে।

মেরা থাগী তরানিপালনি পানবা নিংথৌকাবা মুমিংকী অয়ুক অঙনবদা মনাও ইবুঙোনা তাকপীবা মতুং ইন্না নোংবান অথা কোং-য়াবনা অঙোম শাগৈ মরক্তগী থনগৎলবী মশক মতৌ চঙথোল্লবী মুপী কুনথক নেক্তুনা পোংচৈ পুক্লগা মজাইবেম্মা খোইবীগীদমক্তা তাউজিং হৈজিং কায়ক্লে। মনাও ইবুঙো রাজোন নিংথৌদি মাজোন্দা ফমদুনা চিনবান কাংমৈ থদুনা মনাই নোংবানগী তাউজিং হৈজিং কারকপদু ওক্কদবগী ভাইদুনা লৈরম্মী। মমোম লাংলেন খোইবীদি অয়ুক অঙনবদগী মশা ওমদে হায়শিন্নদুনা ফমুংদা লেৎদনা লৈখিবনা সেম্মুমু মবেম্মগী ফমশেম্নদুনা লৈরে। নোংবানগী হৈজিং থরাই পুরক্পা

মীয়ামচু খুংলরবদা মমা ভরামাথোইনা থোরক্তুনা ওল্লরে, হৈয়ামচু উবদা রাঙ্গোন নিংথৌ মথরায় লুংঙাইরে। মমোম লাংলেন থোইবী কৌথোক্তুনা লাইদা হৈ কংলরো হায়রক্লবদা থোইবীনা "ইপা ইবুঙো নমোমদি কোকপান থোংবু চিকপনা লেংবা খোংপা ঙমদ্রে। নমোমগী ইহুত্তা পল্থোনা অহুম কংপিরো" খুমক্লে থোইবীনা। মপানা হৌগংতুনা লাইদা হৈরাং কংলগা মমোমদা হৈমল লৌ পীবদা থোইবীনা নমোমদি ঈরু মাইথজদ্রি, লাইদা কংপা হৈমল শোকপা য়াদে হায়দুনা লৌদ্রে। নোংবান্না কারকপা হৈজিংগী হৈয়াম অহু মীয়ামদা য়েল্থোকপা লোইরবদা অঙোমগী তুপী ময়ামদো ময়ুংদা হনখি।

অসোম লায়র শঙদম্নু অয়ুক অঙনবদগী থমম্নুনা কৈরোয় লৈকায়গী মচেম মনেম কৌবগা ঙরাং মহুনিংথৌনা পুবকপা হৈরাং ময়াম অহু খন্দোক্লগা হৈজিং কানবা শেম শাবা হৌরক্লে। অয়ুক্কী মতম হৌখিদুনা নুংখিলগী মতম ওইবক্লবদা থোইবীনা থারকপা তুপী কুনমঙানে থমহুনা নেকচবা মমা মন্দোন থরগা লোয়ননা তাউজিং হৈজিং কারক্লে। নিংথৌগী তালোয় শঙ্গায়ঙানবী মঙানা মনাও ইবুঙোগী ভম্প্যাকয়ুংদগী থোরক্তুনা লায়রবগী তাউজিং হৈজিং ওকচরে। থোইবীগী মমা ভরা-মাথোইদি মবুঙো কিবদগী মপাল থোকখিদে, থোঙগী অহোবদা কোয়া য়েংহুনা লৈনখি। মমহাল মঙানে, থোইবী সেন্নুনে মথোয় ময়ামনা মাঙ্গোন্দা লা বহু উবদা রাঙ্গোন নিংথৌ মদিং নারবোই ফমুংদা কাথং-তুনা হিপ্তুনা লৈখ্রে। থোইবীনা মপাগী নাক্তা চঙশিন্দুনা লাইদা হৈ কংপিয়ু হায়জবহু হকচাং ঙমদে হায়দুনা য়াদ্রে। সেন্নুনা লময়াইদা রাই তৈথোকলগা থোইবীনা হৈরাং হৈশিং শুনা পুথোক্তুনা মকম চানা শিন্দোকলগা লাইদা হৈ কংলক্লে। "কেগে পোকপা শোরারেল মোইরাং পোকপা লাইয়িংথৌ, থাংজীং য়াইমরু শিদবা পোকলেন পোকপা শাংলেন শাংপা ইবুঙো! নিঙোল পোকপা পল্থোনা হৈরাং কংকদবনু শমু হকচাং ঈহুনা মমোম ঐনা চিংঙু খুয়া খাদা কংচরিবসি অশোয় অঙাম ঙাকপিয়ু অয়ান অহুই য়াওরবনু কনবিয়ু লাইরা

লাইশোন হৈজদবী নিঙোলনি। লাইবকথোবী ঐদি চিংঙ্ ভীলথোং থিজদে থোম্নুম লাইথোং থঙজদে। ইপাগী শমু হকচাং ঈরিবসি তংশংনা নাবা ওইরগা অনা পরৈ হনবিযু। নাদনা নাশিন্নবা ওইরগনা অনা লাইওং থডনা নাহনবিযু, হিদাক লাংথক তৌকম থংজদে” হায়না থোইবীনা হৈ কংলকলে। ঐনা নোংবানগী হৈ লাইদা কংপদি চুন্না কংলি, ইমোম্না লমজাগী হৈ কংদি হৈ কংপদা মপা ঐবুসু য়াওনা লাইদা কংলে থন্দুনা রাঙ্গোন নিংথৌগী মপুক্লিংদা মমোমবু রারৌখি। হৈ কংপা লোইরগা তাউজিং চরোং অমা মপাদা চিংঙ্ হৈমননি চাবিযু পীবদা মপানা লৌথিদে। লমজাগী হৈরাং অসি ঐনা হিংলিমথৈ য়াদা হৈস্নুং অমা ফাওবা তংলোই হায়না চিংঙ্ থাংজৌং পন্দুনা মমোম তানবা শরি পন্দোল লোমখি। মহাক মশাদা নত্তনা মমাশিংস্নু লায়রবগী হৈরাং চাবা য়াদে, করিগুম্বা চারবদি নপাম য়ুমদা খোঙদাজনি নত্তু য়ুমদা কুমজনি হায়বিরে, মনাইশিংস্নু হৈ চাবা থিংথ্রে। থম্বনা কারকপা তাউজিং হৈজিংগী হৈশিং শুনা চারগা মমহাল মঙাদি মপু শঙংসেনয়াই পাংথবে থমগুস্নু মীরামগা লোয়নন হনখরে। মীয়াম্না হন্নঞবদা থোইবীনা পালেম মমা তরামাথোইবু থাঙ্গা নিঙোল কাদা লোম্না মপা থঙহন্দনা অমমম কৌশিল্লগা মদুংঙোতোন থম্বনা কারকপা হৈজিংগী হৈরাংবু হৈশিং শুনা পীজখি। ফজরবা হৈরি চরোং অহুম-থক্তি মপাদুংগী চানবা থোইবীনা চেকশিন্না থমখি। হুমিং অদুদগী হৌনা রাঙ্গোন নিংথৌগী মপুক্লিংদা থম্বগী মাঙনবা থনখি।

তরাতরুকশুবা মতাং
তোরবুং শাদানবা

করিগুম্বু লৈতবা চরৈ ফিগী রাহৌদগী মনাও ইবুঙো চীংখু নহা ভেলহৈবনা মাগী পানা পাম্বোম ওইরিবা খুম্বক পানাগী মকোক নোংয়াই থম্বগী মাঙনবা রাখল থনবা হৌরক্লে। চহী তরেৎ চুপনা খুনথা পানানা

মায়থীবা পীহনা লাক্লবা খুম্বক পানাবু কেগে লৈবাক মীমাঙদা মায় পাকহনবা ওম্বসি খম্বনদি খঙনা খঙনা খম্ব লৈরবদি নোংবান্দা মমোম লাংলেন থাজবা য়াংরোইদৌগে খনসদগী কস্তবা য়াথলনা লমজিং ওইহনা নোংবানবু কৌরগা খম্ব হাৎনবা মপু মনাই লোয়া য়া তাম্নবা হৌরক্লে। ফম্ব লৌশিং চাউবা .কাংয়াম্বা নাপল কারবা নোংবান্দো মুক্রা তুবগী মুংঙাই চবনে, লমজেল পোবগী শাউনিংবনে, কাও ফাবদা ইকায়বা নংবনে তুম্বা চাব চঙদবমখৈ খম্ব মাঙননবা শীনগে খন্দুনা লৈয়িবনি। হন্দক মনাও ইবুঙোনা খম্ববু শাউহনা ইম্হোক্লগা মাগী মীচং ওইরকপা অসিদা মাগী নীংবা থংলগনি মজাইবেম্বা থোইবীম্না শোয়দনা মথুংতা তারগনি খল্লবদা নোংবানদি মথুংনা কোরৌ নোংমদোল লাম্বা কং-বগুম মুংঙাইরে। মপু মনাইনা তরেৎ তয়া থোক্লা খম্বরগা নিংথৌ খঙহন্দনা চাউবা থোংলেন তাহন্দনা খম্বব য়াওরৌ শাদাল্লসি হায়না লোয়া কৌরগা য়াইবী মথরায় লৌসি লেপনরে। য়াঙ্গোন নিংথৌনা খুম্বকী দোলাই পাবা থাহনা হয়েং অমুক অঙনবদা তোয়বুংদা য়াওরৌ শাদানবা চৎতবা য়াদে খম্ববু কংলাদা ওস্তা কারকউ হায়না পাউ পীহল্লরে। দোলাই পাবগী অকনবা পাউহ তাবদা মরৌ চাউবা য়াঙ্গোন নিংথৌনি খঙলহনা লৌশিংশিংবী লায়রবী খম্বুগী মপুক্লিংদা চিংনবা পোক্লনা মহনিংথৌ য়েংলগা, "ইচেমগী ইবুঙো নোংয়াই! য়াঙ্গোন নিংথৌনা হয়েং তোরবুংদা শাদানবা চৎকনি হায়না দোলাই পাবা থারকসিবসি ইচেমদি পায়মা মুংদা চিংনদবা ওমদে। অহনা মপু য়াথংম্নু কায়দনবা ইচেমগী চিংনবম্ন কোক্লবা হয়েং তোরবুংদা য়াওরৌ শাদানবা চৎপসি নোংয়াই নতোমদা চৎকম্নু, নবাই ইবুঙো হৌরগা চৎমিয়ৌ হায়রকপা মচেমগী য়াহ য়ানিংলে। তমিদাংয়াইরমদা মবাই কৈরোইজাম্বগী মনাক্তা চৎহনা হয়েং য়াঙ্গোন নিংথৌগা তোয়বুংদা য়াওরৌ শাদানবা চৎপদা ইবাইম্ন য়াওবিয়ু হায়জখি। মশেলগী পায়মা মুংদা চিংনবা য়াকমহ তাবদা মবাই কৈরোইজাম্বনা হয়াও হয়াও য়াবিয়বদা খম্বম্নু মথরায় মুংঙাইনা ময়ুমদা হল্লকই।

নোংঙানবগী অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা রাঙ্গোন নিংথৌনা মনাই অঙানবা নোংবানগা লোয়ননা লাঙ্গোই শগোল তোংহনা কংলাগী তমাঙদা থম লাকপা ঙাইহনা লৈখি। নোংয়াই খম্বনা মবাই ফৈরোইজাম্বগা লাঙ্গোই শগোল অমমম ভোংলগা কংলা তান্না লাকপহু উবদা নীংবা কায়রবা রাঙ্গোন নিংথৌদো মপুক্লিংদা শাউনিংলবস্তু ফোংদোকপদি য়াদবনিনা ফৈরোইজাম্বদা থানা য়েংলকই। মহু উবদা মশেল মবাইহ রা মচেং অমত্তা ঙাঙনদনা লোম্না য়েংনহনা নোকচৈ। হন্দক রাঙ্গোন নিংথৌনা তোরবুংদা শাদানবা চংপদি খম্ববু য়াইবী লৌনবা শরৌ শীম্নহনা চংপনিনা য়াঙরৌ শা ফানবা মত্তিক চাবা থুংস্তু থুংলায় পুদে, মনাই মশল কনাস্তু লোয়নদে। রাঙ্গোন নিংথৌ নোংবান মপু মনাইনা মাঙ থারগ খম্ব ফৈরোইজাম্বা মশেন মশাইনা তুংদা লাপতক্লা থৌগলগী মঙদা ইগ্নি। অমুম্না মথোয় মরিনা রা ঙাঙনদনা তুমিন তুমিন লাকপনা লমলেন তোরবুং লমজাউ য়ৌরবদা মপু মনাইদি য়াঙরৌ শা ফাগে খন্দবনিনা পামেল উজাউ মথোঙদা ফমহনা পোথারে। খম্ব ফৈরোইজাম্বা মশেল মবাইস্তু খরা চংথোক্লগা উখোং অমদা ফমহনা রারী শাহনা লৈখি। অমুম্না ঙাহাক পোথারগা মপু মনাইনা লাঙ্গোই শগোল চিংলগা মাঙ থানা চংলিবহু মশেল মবাইনা তুংদা লাপ্তুক্লা ইরে। অমুম্না লেপ্তুনা লাকপনা তোরবু লময়াই য়ৌরকপদা ইথঙ খঙহৌদনা চাউববা লমওক অমা রাঙ্গোন নিংথৌ তম্না হোংচিল-লকপহু উবদা নোংবান্দি নাথৈহনা লৈরে। চাউরবা লমওক্লা অপনবা লৈত্তনা মাব্ তন্না চেনশিল্লকপহু উবদা রাঙ্গোন নিংথৌহু কিবনা য়াংলেন হুমাং কারে, রাথল লৌশিং মাঙখিহনা মথুংত্তা পায়রিবা ত্ত লৈপাক্লা তাখিবা থঙখিদ্রে। তুংদা লাপতক্লা চংলিবা খম্বনা চেনশিল্লক্লিবা লমওক্তু উবদা মথুংস্তু তাহু থুহম চেংনা পায়রগা থ্না রাঙনা চেনশিল্লক্না মব্ভোব্ মথুং ওইমা ইস্থোক্লগা লমওকা য়ায়-রোক্লরে। শাথেংনবদা অকিবা লৈত্তবা খম্বনা কল্লনবা য়েং ওইদা লৈথোক লৈশিন ত্তৌহনা লমওকী মপাজল লৌথোকপা হৌরক্লে।

লমওকা খম্বগা উরু উরু লৈনদুনা লৈবদু উবদা মশেলগী মত্তেঙ পাংগদবগী ফৈরোইজাম্বস্যু মখুৎস্যু তা পায়রগ মিকুপ নাহুম শেম্মদুনা লৈরি। খম্বগী মপাঙ্গল মথৌনা উবদা মপূক্কিংদা থাগৎলবস্যু মপানথোংদা য়েংতি বা রাঙ্গোন নিংথৌগী অশাউবা মিৎয়েংদু উবদা ফৈরোইজাম্বনা হুংশিনদুনা ‘শেলোয়েল! নহাক্না নপাঙ্গল থেক্না শাথেংনদুনা মবুক ফত্তবা মীগী য়াইবী মথরায় কম্বা কয়িগী হোংনরিবনো? উকায় কাপ্পদা নহাকপু তেপ্পনা তনদুনা য়াইবী লৌগে তেমশিংনথিবদু কাওরম্বা” হায়রকপা মবাইগী রাদু তাবদা কয়ি য়ানো ইবাই ইবুঙো, ফত্তবনা ফত্তবা অদুম লৈজসনু। ইশেল ইবাই য়াওনা য়াওনা রাঙ্গোন নিংথৌনা য়াইবী মাঙলবদি লৈবাক্না কয়ি হায়থিনি মপু মোইরাং নিংথৌ মথরায় ছংঙাই-রোই থুম্না থুম্না খম্বদি ওমওকা শাথেংনবা লেপথিদে। লমওকী মপাঙ্গল শোম্বরকলে থঙলবদা খম্বনা থ্না য়াংনা হোৎচিন্নগা তানা লমওক্তা নমদুনা থিল্লে, লমওক্তু লেঙবা ঙমদ্রে। খম্বনা খুৎলৈ থ্না তা শৎলগা মফম ওন্দুনা অমুক নমথিল থিনবদা লমওক য়াইবী মাঙলে। লমওক্না শিদুনা তারবদা লাপ্প কুমৈ য়েলম্বা নোংবান্দু চেনশিন্নক্না লৈপাক্তা তারিবা মনাও ইবুঙোগী খুৎস্যু তাদু খুনগৎলগা মপুদা পীরে। মনাই নোংবাম্না মনাক্তা লেপ্পরবদা মখুৎস্যু তাদু খুদুম চেৎনা পায়গা খম্বদা ওনশিন্দুনা চৈরকই, ‘হায় লমজামচা! ইখুৎনা হিংনা ফারগা চিংঙ্থা জীং লাইদা চঙনা শরেল চনগে খম্ব লমওকপু ঐগী ইর, তাদনা কয়িগীনো নঙনা য়াইবী লৌরিব্বা? পলেম্না নাউয়োক্নবা, পম্বৌনা মাংশোক কবেন ফমদুনা য়ারক্নবা, চৎনবী থৌগললোন ঙঙদবা লমজা নথরায় কনজৌ’ হায়না মখুৎস্যু তাদু খম্বদা থিনগদবগী থাজৎলকলে। মদু উবদা ফৈরোইজাম্বনা চেনশিন্নক্না খম্বগী মমাঙদা লেপ্পগা, “মনাও ইবুঙো! চাউই ঙম্মি মতিক পংতাক তাকপিগনু। লমওক উবদা পাথৎনুনা খুৎতা পায়বা তা লৈপাক্তা তাবা থঙদ্রবদা শেলোয়েল খম্বনা য়াইবী থরায় কনবিবগী মনা মথ্ম চাউনা পীগেদি খল্লদুনা খম্বু য়াইবী লৌগে তাকপিরিবদু হন্দকমুক্তি তাকপিরে, মদুংদা

অমুক হয়া ননাই কৈরোইজাম্বগী মাগুদা তাকশিন্নবদি মপুগী মায় য়েংজরোই। কৈরোজাম্বা ঐনা যাইবী থরায় হিংলিহৈদা শেলবৌরেল থম্বগী তুবুম নাম ভংহনগদবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মক্ত ইহুল ভমত্রি থক কাওবিগনু মনাও ইবুঙো'' হায়রবলে। কৈরোইজাম্বগী অকনবা য়াওংহু তাবদা য়াঙোন নিংথৌ রা মথা ঙাবা ঙমদনা মক্ত লুক্লনা লাঙোই শগোল তোংলগা অশাউবনা মাওওইনহুনা নোংবানগী ভম্পাকথুম পাংখি, মনাই নোংবান্না মতু'দা থোগল তৌখি। মথোয়গী মতু'দা মশেল মবাইসু নোক্লা নোক্লা হল্লকই।

নীংবা কায়বগী মুংঙাইতবনে, ইকায়বা নংবগী শাউনি'বনে য়ায়থোং থেবু লাংশিন্না লাঙোই শগোল তো'হনা ভম্পাকয়ুমদা চঙলক্লগা য়াঙোন নিংথৌনা ভালোই অ.তাম্বী কৌথোক্লগা লাইজ ঊথৌ লাংই হৈয়াং মেংলু থোদারক্লে। অতোম্বীনা মেংনবা হৈরাং লৈতে হায়-রক্লবদা মমোম লাংলেন থোইবী কৌরগা, "ইপাগী লাংলেন ইবেম্মা। তাউজিং হৈয়াং লৈরবদি পুথোরকউ। ইমোম্না মেংপা হৈরাং অহু থক্লগা, ইপাগী অরাম খৌরাংবসি কোকনি" হায়রক্লে। থোইবীনা চিংঙ্ থাংজৌং লাইবু পালেমহুনা মপাদা পীজগে থমথিবা হৈরাং চরোং অহুমহু পুথোরক্লগা তনৌ তনৌবী মুয়াগী মজবী থুং পাউদল মাঙবী ভথোংপীনা মপ্রাম অমত্তা য়াওহন্দা মক্ত অমত্তা পকহন্দনা মেংলগা মপাদা পীথকই। মমুল কানা মুহব' হৈরাং অমেংপহু মবুক থম্না থকচিন্নগা অরাম খৌরাংবা কোক্লহনা হয়াও মোমোন য়াকা ভম্না "ইপাগী ইবেম্মা! ওসি নথুংনা মেংতুনা পীথকলিবা হৈরাং অসি থকপদা ইপাগী অরাম খৌরাংসা কোকলে মুংঙাইয়ে। লমলেন কৈদা পানবা তাউজিংনো, হৈরাংগী মখিংনা করি কৌবগে" হংলক্লবদা 'ইপা ইবুঙো! ওসি নমোম্না মেংচরিবা হৈরাং অসিদি ভমদা পানবা হৈ নত্তে, লোইবী চীংদা ওংবী হৈরাংনি, কোলোম মখিংনা চাকপাউ মকাউহৈ কৌই" খুমজৈ থোইবীনা। মমোমগী য়াহু তাবদা মপুজিংদা চিংথবা পোক্না "লাংলেন নওগী হৈয়াং মখিং অসিদি ইপাদি

অমুক্তা তাত্রি। করি মরমদগী হৈরাংছু চাককাউ মকাউহৈ কৌরিবনো" হায়না মশানা তক্লনা হংলক্লবদা থোইবী লোৎপা য়াদত্না "ইপা ইবুঙো! ঙসিগী হৈরাং অসিদি কেগে কৈথেন্দা য়োনবা অচম্বা হৈরাং নত্তে। নহাক নোং ইকোপ্পা চাক্তাবা কাও ফাউদা ইপল নিংথৌ অমদি পাম্বৌনা নমোম্বু কেগে লৈবাক মীয়াম্ভদা থাজখিবা নমাকা নচাগা অনিবু হুনা কউই হায়বগী চাককাউ মকাওহৈ কৌই। নমাক লমজানা শলাং চৌংদগী হেক্লগা নমোমগী হৈজিং কাৎকপা হৈনি, হৈরাংগী অশেংবা মমিংনা হৈরি কৌই। পম্বৌদা পীজগে থম্মুনা নমোম্না হৈরাং চরোং অহুমদং চিংহ্ন থাংজীং লাইদা কংলগা থমজহোবা হৈনি।" মমোমগী য়াছু তাবদা য়াজোন নিংথৌদা শাউবনা লুত্তোন কাঙবোই। মচিং ঈ কারক্লে মমোম্ন শংত্রিক য়েংলগা, "করি লমচৈনবী! নপা ঐনা য়াশকথবা হৈরাংবু নমথাক তৌহনা পীজবদি থঙগনি ঐগী ইতিক" হায়না চৈরগা লাইজ ঈশিং থোবোম থম্না উম্লগা মচিল মথা শেংনা তেংথোক্লে। অশাউবনা য়াঙওইনদুনা মুমিংতু য়াজোন নিংথৌদি তম্না চাদবমথৈ কম্‌দা কাথংতুনা হিপথি। মবুঙোগী অশাউবা মওং মতৌ উবদা মথা তবামাথোইদো মুংশাথীরে থোইবী সেম্লু মপু মনাইস্থু মথরায় য়ারে। লমজা থম্বনা হৈজিং কারকপা হৈরাং চারোই হায়না চিংও থাংজীং লাইবু পন্দুনা য়াশকখিবচ থাংঙুংজা শরি য়াশক কারবগী থুংঙাইতবনে ফৈরোইজাম্বনা ইকায়বা পীবগী শাউনিংবনে তম্না চায়া হেনবগী য়াবনে য়াজোন নিংথৌদে য়াংলেন মিঙুপ অমত্তা পোথাফম থঙদনা শাংলবা অহৌং চুম্না য়াথলন' থোম্নেন য়াতাবা য়াখিদে। কয়ম তৌরগা লমজা থম্বু য়াইবী লৌহনা ইকায়বা শাউনিংবগী লমন থুমনবা তঙেৎ তম্না য়াথল তৌরকলে।

———

ভরাতরেৎশুবা মত্তাং

খম্ববু শামুখোঙদা য়েৎপা

নোংমা মুমিদাংরাইরম মনাও ইবুঙো চৌংখু নহা ভেলহৈদনা মনাই থাহুনা অংচোম নোংবান কোংয়াম্ববু কৌরগা ভম্পাকয়ুমগী অল্লাং থংবা কোদোম কেলি পাম্বীগী মখোঙদা থম্ব হাংনবা লোম্না য়া তাম্নবা হৌরক্লে। অহীং তাংলৌ অথেংবদা নিংথৌগী শামু য়াইশা পুথোক্লগা খম্ববু শামু মখোঙদা পুনশিন্দুনা কেগে খোরি কৈথেংলগী শৌ শারক সুংগাই চেগাই মথক্কা চিংহনসি। অনা চৈনাখোল ফবদা য়াইনী মথরায় পাম্মুত্তনা মরা চুম্রপনা শরি য়াশক পান্দোল লোমহল্লগা থা-দোকপিসি, চুমত্রগনা য়াইদী মথরায় লৌসি হায়না মপু মনাই কেপ্পরে। মুমিং অহূগী মুমিদাং অথেংবদা মনাও ইবুঙোনা মনাই থাদুনা ভথেল শাক্লংহনবা কৌবগা নিংথৌগী য়াথংগি কেগে কনা থহহম্ননা মোইরাং কনা উহম্মনা হৌজিকমক শামুশঙদগী শামু য়াইশা পুরগা পাংথোক শনহুনা মোইরাং ভিগালম্বীদা লৈরম্মু থৌদারে। মীচিক মীরাংথোক ভাম্রবা মিতবদা থাঙ্গ কয়াং থেংগদৌরিবনি তাকপিরে। মনাও ইবুঙোগী অকনবা সনা থাথ অহূ তাবদা ভথেল শাক্লংহনবদা ইনিংথৌগী সনা য়াথং য়াওদ্রবদি ননাই শামু য়াইশা পুথোকপা ভম্মোই হল্লংলক্লবদা য়াজোন নিংথৌ শাউহুনা শাক্ল হনবা ঐ নিংথৌগী মনাও ইবুঙোনি ঐনা হায়রিবসি নিংথৌগী য়াথংমকনি থম্দুনা ইনগদবনি চৈরক্লবদা শাক্লংহনবা য়া মথা তাবা ভবনবা মক লুক্কুনা হনখি। মুমিং হেক ভাবগা নোংবাম্রা ভিমব মুপা তয়াগা লোয়ননা ওকচিন খোঙথোংদা থম্ব লাকপা ভাইহুনা লৈখি। মনাও ইবুঙোনা খুঙ্কী দোলাই পাবনে খুনথাগী দোলাই পাবনে অনিদা খম্ববু মপু সনা য়াথংনি হায়রগা থেমহুনা নৌহুনা ওকচিন থোংখোঙ কাওবা পুরকউ হায়না সনা ভাদা অনি অনি পীহুনা থৌদারে। সনা ভাজা ফংলবদা দোলাই পাবা অনিদো শিবা কিয়ক্লে। অচুম অয়ান মশক থঙলক্লে অহীং অহুদা

থম্বগী মখুম তাম্না লাক্লে। মমিং অসি লায়রশঙদা মচিল মৌপ্‌া অনিদো ভরা গুন্না চারগা থোমলেন য়াভারন্মী। লায়রবী খমনুমা উরোল শারোল তুমথরুবদা মানা অঙাং ওইরিঙৈ মপা পুরেম্বনা শিংমদাইদা মচিল মৌপ্‌াবু মপা শক্লবা থোংলেন মকু ইবুঙো চাউবদা শিন্নরম্বদ্ধ মুন্নাগী থোমলেন মঙলানচান্দা উরক্লে। মদু উবদা খমনু মিকপ থংথোক থোক্ত্‌না মৌপ্‌াদা পাউদমক্তগে খমববু অহৌংদা মঙগী পাউ তংহৈহে হায়নবদগী নোংঙাল্লগা তম্নগে খল্লহুনা খমনু অমুক তুমথখি। মতম অসিদা দোলাই পাবা অনিদো লায়রশঙদা চঙলক্ত্‌না খম্বগী মমিং কৌহুনা হৌদোরক্লে। খমনুনা তারহুনা কেগে মচা কনানো হংলক্লবদা দোলাই পাবা অনিনা ইমোম খমনু ইবেম্মা ঐথোয় নিংথৌগী দোলাই পাবনি, মপু সনা য়াথংনা নহুনিংথৌ কৌগে লাকপমি, থোংজি নাতে কাংঙ্‌, চারগী পোয়রোন শংলু হায়রক্লবদা খম্ব হৌগংলপা থোঙ হাংদোক্ত্‌না মচিল মৌপ্‌া মপান থোরক্লে। থুম্বক থুনথাগী অহল ওইরবা দোলাই পাবা অনিবু উবদা খমনুনা, "পস্তৌ মানবা ইপাথোয়! অহৌং তাংলৌ অথেংবদা করম্ব' নিংথৌগী অকমবা সনা য়াথং লৈবগে? হয়েং ইনুং ঙাল্লগা ইহুনিংথৌ সনা নাক্তা থারকে' হায়জরক্লে। দোলাই পাবা অনিম্বুমা, "ইমোম ইবেম্ম'! মপু মোইরাং নিংথৌগী সনা য়াথংনি। অহৌং তাংলৌ অথেংবা মৌচিক মৌয়াওথোল তাদ্রগা মতমসিদা থাজ করাং থেংগনি খম্ব নোংবান অনি কৌরুচো তাকশিরকপদগী ঐথোয় অনিনা লায়রশঙদা লাকচবনি, অতোপপা দোলাই পাবা অনিনা নোংবান কৌবা চংশ্রবনি। চাউবা থোংলেন অঙম্বা অনিস্ম মপু সনা নাক্তা রাজোন নিংথৌগা লোয়ননা য়া তাক্লহুনা লৈহৌরে। ইনুং ঙানবা য়াবা নত্তে, হৌজিকমক পুরগা লাকশিন্নৌ হায়বা মপু য়াথংবু দোলাই পাবা ঐথোয় অনিমা পুহুনা লাক্লিবনি। ইমোমগী পুক্লিংদা করিমত্তা চিংনরুম্ব, নহুনিংথৌগী তুবুম নামা তংহল্লোই" হায়রক্লে। খম্বদা ওনশিল্লগা ইবুঙোঙোন। শাফি লানফি শেংচিন্নো থোঙহাই থ্‌না চংলসি ইনিংথৌনা থৌরাংনা ঙাইরমলগনি হায়রক্লে। খমনুনা

ওরাতরেৎশুবা মতাং

খম্ববু শামুখোঙদা য়েৎপা

নোংমা মুমিদাংবাইরম মনাও ইবুঙো চৌখু নহা তেকহৈদনা মনাই থাহনা অচোম নোংবান কোংয়াম্ববু কৌরগা চম্পাকয়ুমগী অরাং থংবা কোদোম কেলি পাম্বৈগী মখোঙদা থম্ব হাংনবা লোমা রা তাম্নবা হৌরক্লে। অহীং তাংলৌ অথেংবদা নিংথৌগী শামু য়াইশা পুথোরগা খম্ববু শামু মখোঙদা পুনশিন্দুনা কেগে খোরি কৈথেলগী লৌ শারক সুংগাই চেগাই মথক্তা চিংহনসি। অনা চৈনাখোল ফবদ য়াইবী মথরায় পাম্মুত্তুনা মরা চুম্রগনা শরি য়াশক ৭,অন্দোল লোমহন্নগা থা-দোকপিসি, চুমত্রগনা য়াইবী মথরায় লৌসি হায়না মগু মনাই কেপ্পরে মুমিং অহগী মুমিদাং অথেংবদা মনাও ইবুঙোনা মনাই থাহনা তথেল শারুংহনবা কৌবগা নিংথৌগী য়াথংগি কোগে কনা থহহন্দনা মোইরাং কনা উহন্দনা হৌজিকমক শামুশঙদগী শামু য়াইশা পুরগা পাংথোন শনহনা মোইরাং ফিগালম্বীদা লৈরম্মু থোদায়ে। মীচিক মীবাংথোক তাত্রবা মৈতৈদা খাম্ব করাং থেংগলৌরিবনি তাকপিরে। মনাও ইবুঙোগী অফনবা সনা য়াথং অহ তাবদা তথেল শারুংহনবদা ইনিংথৌগী সনা য়াথং য়াওত্রবদি ননাই শামু য়াইশা পুথোকপা ঙম্মোই হজংলত্রবদা বাজোন নিংথৌ শাউত্তুনা শারুহনবা ঐ নিংথৌগী মনাও ইবুঙোনি ঐনা হায়রিবসি নিংথৌগী য়াথংমকনি থন্দুনা ইনগদবনি চৈরক্লবদা শারুংহনবা রা মথা তাবা ঙনননা মরু লুক্কুনা হনখি। মুমিং হেক তাবগা নোংবান্না তৈমব মুপা তম্নাগা লোয়ননা ওকচিন খোঙখোংদা থম্ব লাকপা ঙাইহনা লৈখি। মনাও ইবুঙোনা খুম্বকী দোলাই পাবনে খুনথাগী দোলাই পাবনে অনিদা খম্ববু মপু সনা য়াথংনি হায়রগা থেমহনা নৌহনা ওকচিন খোংখোঙ কাওবা পুরকই হায়না সনা তাদা অনি অনি পীহনা থোদায়ে। সনা তাজা ফংলবদা দোলাই পাবা অনিদো শিবা কিরক্লে। অচুম অয়ান মশক থঙলক্লে অহীং অহুদা

খম্বগী মমুম তাম্না লাক্লে। মুমিং অসি লায়রশঙদা মচিল মৌপ্‌া অমিদো তরা ঙম্না চারগা থোমলেন য়াভারম্মী। লায়রবী খমমুমা উয়োল শারোল তুমথরুবদা মানা অঙাং ওইরিবে মপা পুরেম্বনা শিংমদাইদা মচিল মৌপ্‌াবু মপা শক্লবা থোংলেন মকু ইবুঙো চাউবদা শিম্নরম্ব মুয়াগী থোমলেন মঙলানচান্দা উয়ক্লে। মতু উবদা খমমু মিকপ থংথোক থোক্ত্‌না মৌপ্‌াদা পাউদমতগে খমববু অহৌংদা মশুগী পাউ তংহৈদে হায়নবদগী নোংঙাল্লগা তম্নগে খল্লহনা খমমু অমুক তুমথখি। মতম অসিদা দোলাই পাবা অনিদো লায়রশঙদা চঙলক্ত্‌না খম্বগী মমিং কৌহনা হৌদোরক্লে। খমমুনা তারহনা কেগে মচা কনানো হংলক্লবদা দোলাই পাবা অনিনা ইমোম খমমু ইবেম্মা ঐথোয় নিংথৌগী দোলাই পাবনি, মপু সনা য়াথংনা নহুনিংথৌ কৌগে লাকপমি, থোংজি নাতৈ কাংঙ্‌, চারগী পৌরোম শংলু হায়রক্লবদা খম্ব হৌগংলপা থোঙ হাং-দোক্ত্‌না মচিল মৌপ্‌া মপান থোরক্লে। খুম্বক খুনথাগী অহল ওইরবা দোলাই পাবা অনিবু উবদা খমমুনা, “পম্তো মানবা ইপাথোয়! অহৌং তাংলৌ অথেংবদা করম্ব নিংথৌগী অকমবা সনা য়াথং লৈবগে? হয়েং ইনুং ঙাল্লপা ইহুনিংথৌ সনা নাক্তা থারক্কে’ হায়তরক্লে। দোলাই পাবা অনিহুমা, “ইমোম ইবেম্ম! মপু মোইরাং নিংথৌগী সনা য়াথংনি। অহৌং তাংলৌ অথেংবা মীচিক মীরাওথোল তাত্রপা মতম-সিদা থাজ করাং থেংগনি খম্ব নোংবান অনি কৌকাচো তাকশিরকপদগী ঐথোয় অনিনা লায়রশঙদা লাকচবনি, অতোংপা দোলাই পাবা অনিনা মোংবান কৌবা চংশ্রবনি। চাউবা থোংলেন অঙম্বা অনিস্ম মপু সনা নাক্তা য়াজোম নিংথৌগা লোয়ননা য়া তাচহনা লৈহৌরে। ইমুং ঙানবা য়াবা নত্তে, হৌজিকমক পুয়গা লাকমিম্নৌ হায়বা মপু য়াথংবু দোলাই পাবা ঐথোয় অনিমা পুহনা লাক্লিবনি। ইমোমগী পুক্লিংদা কয়িমত্তা চিংনরুম্নু, নহুনিংথৌগী হুকুম নামা তংহল্লোই” হায়রক্লে। খম্বদা ওনশিল্লগা ইবুঙোঙোন। শাফি লানফি শেংচিল্লো থোঙহাই থ্‌না চংলসি ইনিংথৌনা থৌরাংনা ঙাইরমলগনি হায়রক্লে। খমুন-

হয়া হয়া হায়রজববু ঐখোয়না ভঙ্গা নত্তে, মপু সনা য়াথংনি থুম্মকলে দোলাই পাবনা। হায়রজবদা য়াররোই খুঙসন্থনা খম্বনা মচেম থুক্কম্মগা দোলাই পাবা অনিগী মাও থাহুনা থোবক্নে। খম্বা চংলগা ওকচিন থোংখোঙ য়েৌরকপদা খম্বনা কেগে কংলা পাংনা অচুম্বা লম্বীদা চংসি হায়রজববু দোলাই পাবা অনিনা য়াংজ্রে। অসুম্না খম্বগা দোলাই পাবা অনিগা ওকচিন থোং লানসি লানথুমসি ঙাঙনবদু ভাংদা থোংখাদা তমব মুপা তরাগা লুমদুনা লৈবিবা নোংবান চোংথোরক্লুনা "করিনো ইভাও খম্ব! দোলাই পাবনা চংসি হায়বা মায়কৈদদি চংভনা ইভাওনা চংনিংবা মায়কৈদা হেক্তা চংপা য়াত্রা হায়রকলে। মতাও নোংবান উবদা খম্ব মপুক্কিংদা চিংনবা হৌরক্নে। ইভাওনা মকম অসিদা লৈরম-লিবসিদি করিগীনো হংবদা ইভাওবু ঙাইরম্লিবনি। ওসি লমজা য়ারা নপাউ পেংঙ য়াইবী নথরায় কনবিগে হায়রক্নে নোংবান্না। মতাও নোংবানগী রাত ভাবদা খম্বদো অশাউবনা লুংভোন কাখিহ্না মপাম্বোম তিংহ্না করি হায়বনা নোংপান তম্না ফুজিল্লকলে। মাপা ভাম্বা কাও-রেল মগুম, থৌনা ফবা পামব কৈরেনথম খম্ব নোংবান অনিদো হুননবা লৈভনা ফুনরকলে। মমৈথংদা খম্বনা লাকচংবপা উংদা কুম্মৈ য়েংহ্না লৈরিবা নোংবাননা নেকপা তমব মুপা তরাদো চঙশিল্লক্লুনা খম্ববু মথুং ফারগা ময়াম চঙহুন ফুবা হৌরক্নে। মীপুংশি খঙজ্রবা নোংবান্না মথুং ফাজিল্লবা খম্বদা মথজাইদা থুবাক্না ওন্না ওন্না থারগা "লমজা হৌজিক্কি নচিল চুম্মু মজাইবেম্মা থোইবী নোংবান ঐগীনি হায়মু" হায়রকপা নোংবানগী রাত ভারগা "লায়রবগী য়াইবী থরায়না থোইজি থাদা মিহুল লাংলিঙৈদা মজাইবেম্মা থোইবীবু নোংবান নঙনা লৌবদি নভিক নত্তে" থুম্মকলে খৌনাফনা খম্বনা। খম্বগী পাউথুম ভাবদা নোংবাননা অশাউবগা লোয়নন খম্ববু মথুং পেম্না ফুরক্নে। মীয়াম চঙহুনা ফুবিবদা খম্বদি মথোঙ থাংহুনা চংপদি হায়রকম্নু, লেপচনা কাওবা ওমশিল্লক্রে। অনা চৈনাথোল থাঙবদা মশা থক থক নিক-লকলে। নোংবান্না মাঙ থারগা মুপা তরানা খম্ববু শৌরগা পুরকপনা

ওকচিন পোং লান্দুনা মাইবা পোইশৈনশু য়েংওইননা সনাপুংনা ওই-ওইনরগা মমায় মখা পাংনা লাকপনা খোরি কৈথেল য়োরে। খোরি কৈথেলগী নোংচুপ থংবদা লোলাই পাংদা অনিনা থোগল তৌদুনা লৈরিবা রাজোন নিংথৌগী মনাক তাম্না পুরকলে। খম্ব উবদা হুমুম নোংমান লমজাগী য়ারা মপাউ হংলত্রা হায়রক্রদা রাজোন নিংথৌ মপুনা হংবিরু খুমজরকই নোংবাম্না। "হায় লমজা মচা ; ইমোম লাংলেন থোইবী অসি নত্তাও নোংবানদা থাজব্রবনি। মহুদা য়েংকে খল্লবদি লমজা য়াইবী মাঙগনি খড়ক্" হায়রক্লে। রাজোন নিংথৌগী হাউ হায়রগা খংনা বাইৈ মতেক মহেক্লু খুমজরকই। "রাজোন নিংথৌ ইবুঙো! নমোম লাংলেম্না ইত্তাও নোংবানগী মমুমদা মথোক্তনা থোংমা হংপ্রবদি লমজাগী ইতিক কৈজদে। নাংমোম্না লমজা ঐবু চানবীরিদেদা ইত্তাওদা ইচিলমক্না পাংথোকপদি লমজাগী য়াইবী থরায়না থোইবিদা মিতুল লাংলিদৈদভি ওইথোক্কে। রাফম অসি ননাইদা অদুক হন্না হাকপিগন্নু মপুগী মাব ডাকচবা ওমজরোই" খম্বগী রাড় তাবদা রাজোন নিংথৌ শাউরবোই, "অদুদি লমজা ঐগী ইতিক খংহ্ য়াইবী নথরায় লোগে, ইমোম লাংলেন থোইবীবুনা নোংবানগী মমুমচা ত্তিংগে" হায়বকলে।

রাজোন নিংথৌ চৈংখু নঙা তেংহৈননা মনাই থাদুনা তথেল শাক্লংহনবদা শামু পুশিল্লকই হায়খিবহু শাক্লংহনবনা মোইরাং হিগা লম্পীদগী পুরকপা শামু য়াইশাহু খোরি কৈথেল য়োরক্লে। মনাও ইবুহোগী য়াখং লৌরগা নোংবাম্না শামুগী মমাঙথংদা মথোঙদা খম্বগা মথুং অনিহু পুনশিল্লে, চিংবদা মশাহু লৈপাক্তা শোয়রো শোয়রো চিং-খহু উবদা তথেল শাক্লংহনবা শামু হপ্পবনা খম্ব শিবা তারে, নোংঙানবা কাওবদদি য়াইবী মথরায় কনগে খল্লহুনা রাজোন নিংথৌগী নাক্তা চঙশিল্লরগা ননাই নোংবাম্না পুল্লিবা থোরি মপুন অসিনদি লমজা য়াইবী মাঙবদা মতম চঙগনি, ননাই ঐ অমুক্তা হন্না পুনজগে হায়রক্লে। চুপ্পি ইপুম্না হায়বা। শাক্লংহনবনা শাশক খঙবা, ডাক্লংহনবা ডাশক

খঙবা হৌনৈ। ইন্নুং অসি ভানত্রিখৈদা লমজা য়াইবী মাঙনবা তৌদবা য়াদে চেকশিন্না পুনবিয়ু” হায়রগা রাজোন নিংথৌ হন্দোক্ক্ত্না লৈখি। মপুগী য়াথং কংলবদা তখেল শাক্লংহনবনা লাংথোংজি হাপ্তুনা লিরৌ হোংদোক্ক্ত্না কিশি লিজ্জাওনা মথা থংহল্লে। মনজম্না লৈপাক্কা শোকতনবসু শেমলে। পুনবা লোইরবদা শামুগী মথক্তা কাখংিহুনা শামু অহু মখোঙ কন্না থাংদনবা খোংবীনা নাক্রমদা য়েনিন্দুনা শামু থোরে। মীগা মান্নবা শিংলবা শামু য়াইশানা তৌরিবা থোদো অহু খঙলহুনা শাংলবা মনাতোল থাদরক্ত্না থন্নগী মণ্ডক অহু কোনথংলগা মখোঙ থাংবোই থাংদবোই লৈপাক্কা শিং শিংতুনা চংলকলে। মানা মখোঙ লাউনা কন্না চংলবদি মখোংদা পুল্লিবা থম্বহু কৈজৈ চিং:না য়াইবী মথরায় মাঙগদবসি য়াওরৌ শামক ওইরবসু লৌশিং শিংবা শামু য়াইশহু খঙই। শামুনা মখোঙ লাউনা লাউনা থাংহুনা খোরি কৈথেলগী মুংগাই চেগাইনা শৌ শারবা মথক্তা থম্ববু সোরো সোরো চিংহুনা ঈমু নাইমু তানা ঈতনা ঈথোং ওইনা চেনহনিংববু শামুনা মখোঙ থাংবোই থাংদবোই চংনিংদবা মত্তৌহু উবদা মীমুংশি থচত্রবা নোংবান্না শাউহুনা শামুগী শনিংদা লেম্নগা শামুগী নিংগোংদা লাংশোইনা থেরে য়েৌনা খিল্লগা লাংশোই নিক্ত্না শামু থোরকই। লাংশোই মচিন্দগী শিন্থরকপা শামুগী ঈনা লৈপাক্কা তারবা ফাওবদা মীমুংশি খঙলবা শামু য়াইশনা অনা চৈনাখোল থাংহুনা থাংলিবা খোঙথাংহু থ্গংতনা তপ্না তপ্না অহুম মচংলি। শামু মখোঙ থাংবা থুদিংগী থম্বগী মনজম্ন লৈপাক্কা লেংলদা হুংদোকপা উনশাগী চৈনাখোল ফখদা থাঙবা ঙমদহুনা “অয়ো ইমা অয়ো ইমা” হায়না পলেম মমা কৌরগা বচ্ছকপা থম্বগী মীকপথোল তাবদা শামু থোরিবা তখেল শাক্লংহনবদো মতু চুংলে, মমিংতা পিরাং শিন্থরকলে, শামু মাসু মমিং অনিদা ভিগী ঈরা চেল্লকলে। নোংবান্না লাংশোই নিকপদা শামুগী নিংগোংদগী শিন্থরকপা ঈগা, থম্বগী মশাদগী তারকপা ঈগা খোরি কৈথেলদো ঈতনা ঈথোং চেল্লকলে। অহু কাওবদা রাজোন নিংথৌ অমদি নোংবান মপু মনাই

অনিগী খম্নোয়দা মীসুংশি পোকখিদে নোংঙাননবা হানখিদুনা খম্বগী য়াইবী মাংঙলরোইদ্রা চিংনদুনা মথংদা য়াবা হৌরক্লে। লাংশোইগী চৈনাখোল থাঙবা গুম্লক্রবদা শামুনা থোংলবগম্থু ভাবদা মনাও ইরুথোনা থু'শাথীবক্রদুনা শাক্লংহনবদা শামু থোংহনগম্থু হায়রক্লে।

অদুম্না খম্বনু থোরি কৈথেল্দা শামু থোঙদা য়েং লাংজোই থোঙদা পুন্দুনা চেগাইমা শো শাবা লৈমায়দা চিংদুনা লাক্লবিদসি নমু হাইবং কনামা থঙগা উম্বসু থাংজৌ'গী তালোয় অতো'দুবী অয়াং লৈমা পান্থোইবীনা উবিরদুনা থোইবীগী মঙলানচান্না লাক্লগা থোয়নৌ মতা শাদুনা থোমলেন মঙকাওনহনবিরে। "থোয়নৌ ইতা চায়বী! মহাক্তি পন্থোগী কমুং পাননথক মোন্দুম মোৎলেক মৎজ্ঞা নিংঙাইবা কৈতেনা থেমলেন তুমখুল তাদ্রি। মুরা নম্বুংলাংগীদমক্তা নশাবি নো'য়াই থনবা রেগে থেরি কৈথেল্দা শামু থোঙদা য়েং লাংজোই থোঙদা পুন্দুনা চেগাইমা শো শাবা লৈমায়দা চিংদুনা য়াইবী লৌগদবগী হোৎনব্রিবসে ইতা নঙদি থঙত্রবোই। ইতা নহাক্তা য়াংলেন মিকুপ থরদং থিজ্বরবদি নশাবি য়াইবী মাঙবা তারে। নত্তানা য়াকায়ব্রিবসি তারবদি থোমলেং মিকপ থোকলো, নশাবিগী য়াইবী থরায় কনবা ঙমত্রা য়ে'ঙহৌরো।" অদুম্না পান্থোইবীনা মঙকাওনরবদা থোইবী মিকপ থংথোক থোকই, অদুবু কনুংবগীদি হোৎনদে, মঙক থাজৎদুনা য়েংবদা ইমুং মথৈ য়ায়বদা মঙাইরি, নোং ঙাম্ন্দ্রি থঙলে। মানা তাখিবা অদুবু তাইব'দা মঙলানরা পোলেংকম থঙদদুনা অরেং অরা থজুরগা মকু মঙ ওইরমানে থম্দুনা অমুক তুমখখি। মানা হেক তুমথবগা পান্থোইবীনা অমুকসু হন্না থোমলেন মঙকাওনবিরক্লে। "মুরাবু পোকপা পন্থোগা অতোম নোংথোনগা কৌ-তুনদুনা নশাবিগী য়াইবী থরায় লৌগদবগী হোৎনব্রিবসে ইতা নহাক নত্রবদি নশাবি থংগী য়াইবী থরায় কনবা ঙম্রবোই। নত্তানা হাবাংব্রিবসে তারবদি হৌগৎলো অমুক তুমথরগম্থু। ইমুং ঙানজ্রিবৈদা নশাবিগী য়াইবী থরায় কনজহৌরো" হায়না পান্থোইবীনা অমুক হন্না মঙকাওনরবদা থোইবী মিকপ থোক্তুনা কি'না হৌগৎলগা লেম্থু

কৌছনা হৌদোক্লগা মপাবু'গী কাদা চঙতনা য়েংহনবদা মপাবু ৈলৈরমক্তে, মমাতোন্দা হংহনবদস্তু খঙদে খুদ্রকলে। থোইবীনা মাঙোন্দা থোক্তুনা খোম্বি কৈথেললোমদা ওল্লগা য়েংবদা শামুনা লাংশোইগী চৈনাখোল খাঙবা ঙমদতুনা খোংবগী মখোল তাবদা অচুম্বা ওইবা তাংরু থল্লহনা ফিংনা ইমুংদা চঙলক্লে। শরেল নোংশা অমোমগুম অকিবা লৈতবী থোইবীদো থ্বাংচেং মচি লাংলগা মখুংতা থাঙ পায়তুনা খোরি কৈথেল তোম্না চেল্লক্লে। মবেম্মগী মতৌছু উবদা সেল্প গুক্তুনা মবেম্মগী মতুং ইন্নখি। অরাপ্পদা শামুনা খোংবগী মখোলনে, মা ভাঙনবগী মীখোল তাবনে মপুক্লিংদা চিংনবুম্বা থোইবীদো অশোংবা ওইরমনে থল্লহনা চেলনা চেলনা লাউরক্লে। "কেগে কনানো মোইরাং কনানো নশক ইশক খঙনসি, ডায়রমখো লাউরক্লে। অরাপপদা লাউরকপা মীখোলস্তু তাবদা কৈথেল লাইবেম্বী ওইরমনে খল্লহ নকশিল্লক্লগা থোইবীগী মখে লনি খঙলবদা মপা মাঙোন নিংথৌদি খোরি কৈথেলগী লোংচুপ পানা তুরেল মরীল ইম্না চেনখিহনা খাংজীং হিদেন তাফম শম্নগা কংলাদা তুমিম্না চঙহনা লৈখি। থোইবীনা চেনশিল্লকপা হন্দুনা নোংবান্সি চেনবা নাংহৌক্লে। "মাননবা নোংবান লৈরম্ব., মাইবী নথমায় লোগে" হায়না থোইবীনা কংকপা খাঙনা নোংবান ওম্না পাইশিল্লকপন্থু শরিং শম্নাং হৈবা কোংয়াবা কৈথোকহৌবদগী মকোক্তা য়েংলিবা কোয়েং তোলোক শলাই ককুনা লৈপাক্তা তাখি, মঙক্তি য়াওহৌক্লে। শিরমগনিদা হায়না মচিন্দা শোল্ল শোল্লহনা নোংবান্দো মথা পাংনা মাওস্থু খুদোল লোমদা চেনখি। মাগা লোয়নবা তমব মুপা তরানে দোলাই পাবা মরিনে মখোয় মরামছু মায়কৈ মরিদা শমজি খায়হনা চেম্নখি।

থোইবীনা খুনা য়াংনা শামুগী মনাক তাম্না চেনশিল্লকুনা য়েংবদা মশাবি মমানমচা খম্বনা মা ভাঙবা ঙমদনা অশিবগুম লেকখহনা লৈবছু উবদা অকিবা খঙদনা শামুগী মথা তম্না চেনশিল্লপা খম্বগী মকোক কোনখৎতুনা "শাবি থংলেন লোয়ুম্বা। করি মতৌনো তৌরম্লিবসিদি। ননাও লাইবক চাউবী লাকচরে" হায়না ইবায় ইবি মাংমা লাম্না নোং

থোংবগুম কপলক্লে। তথেল শাক'হনদস্তু শামুগী মথক্তগী কুমথরক্লগা থোইবীগী নাক্তা চঙশিন্দুনা "মজাইবেম্মা! ননাই শামু হঞবগী য়াইবী থরায় :লৌবিগে থল্লগস্তু .কাম্না লৌবিগু ননাই চেনজরোই। ইফুং ঙানবা ক'ঙবদং নবুংচাতোন খম্বগী য়াইবী থরায় অসিদদি ইনু ইপু চঙহনা কনবা ঙমত্রা য়েংসি" হায়না শাক'হনবনা শাম্‌গী মখোঙদা পুন্সিবা খম্বগী মখোঙ মথুং লৌথোক্লবা থৌরি থোকপা হৌরকলে। পাঙত্রবা নপূনা ইফু' ঙানবা ফাঙবদদি নোংয়াইগী য়াইবী মাঙদনবা মপাবুং খঙহন্দনা নো'মানবু উহন্দনা থৌরিদা লাংথোংজি হাপলগা শাম্‌গী মখোঙদা পুনবনি। অসি হায়রগা শাম্‌গী মখো'ঙদা পুন্সিবা থৌরি থো'কলগা মকোক্তা কোয়েং লৌথোক্ল্না লেপাক্তা থারগা শাম্‌ মখোঙ কাপ্তোকচন্দুনা খম্ববু লাইবক্লবা হৌরকলে। মশাবিগী মকোকপু থুরাগী মতম্পাক্তা থাঙ্গৎলগা ফুংশি চেংলৌ শক্তমবু চিংনা য়েং'হুনা থুরাগী মিংস্না থম্বাল লৈকাদা থিংঙমত্রবা পিরাংনা চী জুম লাইক্ত ইফুং-থোক বিংঙন লাইক্ত ঈনমথাযবগুম অতংপালৈতনা পিরাং শিন্থচুনা হিক্লা হিক্লা কপলক্লে। "শাবি ইবুঙো ফুংশিবা, থ'লেন মাঙ পাম্ম্‌বা ননাঙনা কৌজরিবা অসিবু তাবিত্রবরনে লোয়ুন্না। থুরা ইস্তুংলাংগীদমক্তা পুকচেল কত্রবা পন্থোগা মীফুংশি থঙত্রবা নোংবানগা অনিগী থৌইনশিন্দগী শামু খোঙদা য়েং, লাংলোই থোঙদা পুন্দূনা শিবা মচেং থাকনা অনা চৈনাথোল কংলবরনে পাম্ম্‌বা। ননাও লাইবক চাউবীনা কৌজরিবসিবু তাবিত্রবরনে ফুংশিবা। চিংঙ্‌ খোয়ুম নোংদম্বা, নহানম্‌বী মপোক্তা লাইবকচাউবী নিঙোলনা করি ইরাল লংজখিচুনা হন্দকী মপোক লাংঙম্বা অনাম কাদা য়োৗদ ফু'শি কাদ থ্‌'দনা কায়না মৈশা লাংহনখিগ' দৌরিবনো।" থোইবীগী মীকপথোলহু তারবস্তু অনা চৈনাথোল থাঙবদা খম্বদি পাউথুম পীবা ঙমখিদে। মমিং পা ই হায়রবহু মঙাইয়ে তত্তনা শিম্বরকপা পিরাংনা থ্‌মহৎখিহুমা ময়েক শেংনা উবা ফংখিদে। মশাদগী শিম্বরকপা ঈথেংনা লৈপাক্তা থারিবা কোয়েংতু চোংলক্লে। থৌগাংলবা থম্মোয়গী অরাম থৌরাংবা কোক্লবা ঈশিং থকনিংববু মচিন কাথোক্ল্না

হায়জবা ঙমখিদে। ঙাংলৌ অখেংবদা মবেম্মগী মতুং ইন্দুনা চেল্লকপা
সেম্নম্ন খোরি কৈথেল য়ৌরক্লে। মবেম্মনা কপ্পুনা থবাই লাইকম্নরিনা
থম্বগী মশা পুম্বা কুয়োল হুদোক্নুনা ঈঙনা মশা পুম্বা শিম্বক্কু উবদ'
সেম্ন পাখংলে, ম্বা মচেং অমম্বা ডাঙলমদনা লায়রশঙ ঙাম্না চেল্লক্লে।
মহুনিংথৌনা অহীংদা লোলাই পাবগা লোয়ননা চংখিবা অচুদগী মিং
পাম্বোম চোংহনা ফম্ববা খুদম চাংদম ফংনদগী লায়রবী থমম্নুদো তুম্ব'
য়ংদহনা মপানদা থোকলগা মাঙোম্দা ফমহনা মচুনিংথৌ হল্লকপ
ঙাইহনা লৈখি। সেম্ননা থোঙাংদগী কপ্পুনা চেনশিল্লকপা উবদা থমম্ব
সুংশাথীনা থবাই খোলাম্ন পাংনা চোম্ম্বাংবকলে। মচুনিংথৌ থম্বং
শামু খেংঙদা যংতুনা খোবি কৈথেল্দা যাইনৌ থবায় মাংগদৌহৌনা
হায়না কপ্পুনা ঙমলকপা সেম্নগী পাউদু তাবদ থমম্ন পাখংতুনা খোবি
কৈথেল তাম্না কপ কপ্পুনা চেল্লকলে। সেম্নম্ন কপ্পুনা থমম্নগী মতুং
ইম্নরকলে। খোরি কৈথেলগী অকোয়বদা তারিবা মীয়ামদা অহৌং
তাংলৌ অখেংবদা শামু খোংবগী মাখাল তাবদা কিনহনা মপান্দ
থোক্লখিদে। নিংথৌগী খোঙানেংশা শামু য়াম্বশানো মচুম তাহনা
শামু ঙাওরে হায়না লৈবাক মীয়াম ঙাঙনবত্তু চমলমানে অহৌংদ শামু
লাক্নুনা খুমক লৈরক্তা চঙলক্নুনা মহৈ মরোং নৈথাম্নবগী মাঙ-তাক-
হল্লমানে থল্লগন শামু কিবদগী কনাম্নু মপাল থোক্লরক্লবনি। নোং-
ঙাল্লমদাইদা অশি অনাগী মীকপ মীয়াউখোল তাবদা চিংনহনা মীয়াম
থোংক্নুনা য়েংনবদা মজাউবেম্মা থাহবীনা থম্বুকেংলগা লৈবা নিংথৌগী
শামু য়াইশানা মরূ লুক্নুনা লোইবী চৌংগুম কেপ্নুনা লৈবা, তথেল
শাফংহনবনা অনা লাইকম্নতনা লৈবদু উবদা মীয়াম চেনশিল্লরক্নুনা
থবগী থবাই লাইকম্নবা য়াওরে। মতম অসিদা অকাম মচাশিংনা
অহৌং চুপপা কেপে কংলাদা লাম্নুপ পুরুবদী কুমলহনদা থম্বু মীয়াম
চঙতনা লাইকবম্বদু উবদা চওশিল্লুনা য়েংলমলগা চাউবা নোংথোম্দা পাউ
পীনবা চেলনা চেলনা লাকই। কৈয়োইজাম্বনা অমুক অওনবদা য়াংশ্ন
থুম্মোম্দা শগোল শোইনৌ অমঃ লাক্নুনা লৈখিদো অকাম মচাশিংনা

চঙশিল্লক্লগা মশেল নোংয়াই খম্ববু থবাই লাইবক্লহৌবগী পাউদু হংই। পাউ অদু তাবদা কৈয়োইঙাম্বা চেনখিদুনা মপা চাউবদা তাকহল্লগা খোগ্নি কৈথেল তাম্না চেল্লকলে।

অসোমদনা লাইবকচাউবী খমম্নুনা মচুনিংথৌবু কৌৱ কৌৱদুনা চেল্লকপদা লম্বীদা তুশিনবগী মশা পুম্বা হোগাইদুনা ঈ শিম্বৱবা ফাওবদা অনাবা চৈনাখোল কাওখিদে। অঙাওবীগী মতৌগুম চেলনা চেলনা কপ্পু্না লাকপনা খোশ্নি কৈথেল য়ৌৱকপদা খোইবীনা মতম্পাক্তা পল্লগা মচুনিংথৌবু থবাই লাইকল্লৱম্বদু উবদা খমম্ন চেনশিল্লক্লগা ইদুনিংথৌ হায়না খো.ঞল রাংনা কৌৱমলগা মৌপ্‌াগী মথোঙ ময়াদা রাম্বরে। মদু উবদা সেম্নুনা ইল্লিবা চরৈ মমথাং ফিজিদু ঈশিং চোংলগা খমম্নুগী মমায়দু তৈথোকপিবদা রাখল লাক্ক্‌না তকিং তকিং হৌগংলক্লে। মৌপ্‌াগী মপা পুন্না কুয়োল হদোক্ক্‌না ঈনা পুমচাং ওাংনা শিঙ্গবা, অনা চৈনাখোল খাঙবদা মমিং উইশিন্দুনা অশিবগুম লেঙদনা লৈবত্তু উবদা য়াইওী মথৱায় মাঙলবোই খমম্ন্তনা মুংশিৱবা মচুনিংথৌগী ময়াইবক্তা হম্ন' হম্না চুপ্পগা নোংখোং কুইনা হৌৱকপা ইঙা নোংলেন নো'না খো'না লাউনা চুবগুম লায়ৱবী খমন্নুদো ইকায় ইকি রাংমা লাম্না মথোল খোক্না কপলক্লে। 'ইচেমগী ইবুঙো লায়ৱবা নোংয়াই কশ্নি মংতৌনো তৌৱমলিবসিদি ইচেমদি মাঙজলেদনা। লাইবকচাউবী নচেম্বু হন্দোক্লমলগা পলেম পম্হৌগী নাক্তা শজিক মতুং ইৱা থবা মমৈ রায়না চংলৱৱনে ইচুনিংথৌ। পিক্কা পলেম পম্হৌ শেংনবনা অঙাং নাউরা ওইৱিবা নঙবু ইচেমগী শমূ নমদা পোরগা কৈয়োৱ লৈকায়দা চাকনি ফিনিদুনা ইচেমনা রানা য়োকচয়কপদু পাজল শয়েপ কায়ে ইচেমগী রাবা কোকলগনি থম্নুনা মুংতাইজৱবদি শিঙেল অয়েম্বা লৈমাং অতিংঙা তায়েকো লায়ৱবা। ইচেম্মা কৌবসি তায়বদি ইচুঙ্গিংথৌ নঙদু অমুকদি থুমলকউগবা" হায়না খমম্ন মালেম থক্তা ওন থোইনা কপলকলে। তাহাক কপ্পমলগা অমুকম্নু রাম্বরে। পলেম মমা শকমা মুংশিজৱবী মচেম্মা কৌৱিবদু তাবদা মমিং উইশিন্দুনা অনাবা চৈনাখোল

খ ঙলিবা খম্বচু মশিং পাংথোকপবস্ু রা ঙাঙবদি ঙমদা মশিং অনিদা তংত্না শিন্থরকপা পিবাংচু উবদা তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমকস্ু কপ্পরক্লে। খমন্ু রাথেল লাক্ন্না হৌগৎলক্লগা মৌপ্তাবু চিংনা য়েংলগা থম্মোয় পুবা য়াত্রবোই কোরৌ নোংমদোল থক্তা ওল্লগা "পলেম ইমা ইবেম্মা, পাস্থৌ ইপা ইবুঙো! কোরৌ নোংমদোল থক্তগী 'লচিল পোমায় হা'বিরগা নপারি খুম্বনা থোরি কৈথেল্দা শিবা মচেৎ থাকনা অরা শোর পাবোং সোন্দুনা নৈরিবসে অমুক্তদি য়ে বিরকউগবা অপোকপী। কেগেদ লমজা লৈহৈব্রে মোইরা দা শারা পানৈবে্র ইচিল ইপ্তাবু কৌশিনবিরে গহা অপোকপী" হায়না কৌহুনা নোং থোংবগুম কপলকলে। খমন্ুদি অঙাওবীগী মতৌগুম ওন থোইনা কপ্পনা লৈখিবনা মচুনিংথৌ লাইকন-নগনি কাউথে। মশাদা ইল্লিবা চৈরেনমথাং লৌথোক্লগা থোরি কৈথেল থংনা চেন্দুনা "ইচুনিংথৌগী য়াইবী থরায় মঙামক মিগা থানা' তরুকাক থরায় নঙদি হামবোইফদে মিরেল নঙস্ু হামচৎকদে নহুনকমদা হচ্কাথা নাতকমদা তেরখো ইচেমগী ফিগাউ অসিদ ইপ্তাগী থরায় মঙা চঙ-লকলোগবা" হায়না মচুনিংথৌগী থরায় কৌশিল্লগ খম্বগী ময়া কাথোক-হন্দুনা কু: কু: সে: সে: হায়না থরায় মঙা ইনবিরে। অম্ুম্মা ঙাহাক কপ্লমলগা খমন্ু অমুক রাম্থে।

খমন্ুগী মতৌ উবদা থোহবী সেমু মপু মনাই অনিস্ু ইকায় ইকিবা যা লারা কপথোরক্লে। মতম অসিদা কৈরোইজাম্বনা মাগী লাম্বোই শংগোল তোংলগা থোরি কৈথেল তামা চেরকুনা খম্বগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা লাইকরবা য়াওররে। চাউবনা শগোল তোংহুনা মনাই মুক্রামগা লোয়ননা লাকুনা মমাক খম্বগী মিহুল কাংলোন য়েংবদা য়াইবী মথমায়মক্তি মাঙখিরোই থঙলহুনা মনাই মুক্রামদা মতাও থোংলেম্দা পাউ পীরম্লগা কবুই চৌংশাংলাকপা কৌরুচো থোদারে। কৈরোইজাম্বদা মশেল খম্ববু পোবগা কংলাদা পুথৎলকুনা রাকংলো ঐ ঙম্া কংলা কায়মগে শিম-রমলগা কংলা পাংখি। খম্ববু শামু থোঙদা য়েংহুনা হাংকদবগী হোংনররা পাউসি মথং মথং শন্দোকখিহুনা থোরি কৈথেলচু মীয়াম

ফিঙৌ ফৌবগুম ভিল্লকালে। নোংবানবু পোকপা অঙোম খুন্থোবহ
গুংশাখোইদুনা মনাই থাবগা লোম্না নোংবান ফিহনখি। থোংলেনগী মনাই
তগুল্লনা অমুক্তা। কৈথেন্দগী য়েনশাং-নাপী লৈবা থোরকপদা মীয়াম
ভিনবত্ত উবদা চঙশিন্দুনা হংলগা পাউ পীগদবগী মবুঙো থোংলেনগী
মমুন তাম্না চেল্লকনা পাউ পীরমে। পাউ অত্ত ভাবদা থোংলেন মপূক-
নিদা চিংনবা পোক্কনা লৈরিবৈদা চাউবগী মনাই মুক্তাম্না চেল্লকুনা
খম্ব শিব মাবগী পাউহ অমুক তম্মববদা শাউবনা মৈ হোৎরে অথোৎহু।
মনাই মুবা মেরা কৌবগা লানগী থৌরাং তৌরো থৌদারে। মবুঙো
থাংলেনগী য়াপং কংবদ মুবা মেরা অনিবা থোংলেনগী মনাই খোঙমী
লাম্নী ময়াম খোমলগা লুরা তাউবা হুইজাও মবিগা লোয়ননা মোইরাং
নিংথৌগী মপক্কা লান্দানবা থৌরাং তৌরে।

তরানিশালগুবা মতাং

কংলা বায়েন

খম্বনা শামু থাঙদা য়েংপা অহৌং অসি রাকচিংগী মঙানি পানবা
থুমিংনি। নোংঙাল্লগ তরুকনি পানবা মুমিংকী অয়ুক অঙনবদা অঙোম
চাউবা নোংখোম্না লাদোই শগোল তোংদুনা থোরি কৈথেল্দা লাক্লগা
মমাক খম্বগী মিহুল কাংলোন য়েংবদা মাইবী থবায়মক্তি মাঙলয়োই
খঙলদুনা মপারি কৈয়োইজাম্বদা মশেলবু পোমগা কংলাদা পুৎলক্কনা
রাকংলো। হায়না শিন্নবমলগা কংলা তাম্না লাকই। কংলাগী থোংজাও
ঙাশিল্লগা বাঙোন নিংথৌ চীংথু নহা তেলহৈবনা মমাই মশল কনাম্থু
মাওদনা মতোমদা মঙ্গ লুকতুনা বাথল তৌদুনা লৈরিবৈদা চাউবা
খোঙ হাংদোকতুনা চঙলকই। চাউবনা চঙলকপত্থ উবদা বাঙোন
নিংথৌদো খঙশিন্নদা উশিন্নদনা লৈথোক্কনা লৈখি। মাগী মওং মতৌহু
উবদা চাউবা খোংখোনম্থু খঙশিন উশিননদনা মাগী কমকমদা চঙশিন্দুনা

ফমখি। ভনমন্দুনা তুম্মিং অছু কেগে অওবা মোইরাং ফম্মাইবা অমত্তা কংলা কানরক্লি, লোইশঙ মচা অমত্তবু য়েৌংরক্লি। মত্তম অসিদা ফৈরোইজাম্বনা মশেল খম্ববু পোম্বগা কংলা তাম্না পুখৎলক্রে। মশেলবু উক্রুমদা পোম্বাহন্দুনা চাউবগী মনাইবু শঙহল্লগা ফৈরোইজাম্বা কংলা মন্থুংদা চঙলকই। মপা চাউবা অমদি রাঙ্গোন নিংথৌ অনিনা মমাং মমাঙ্গ লৈথোক্লরগা তুম্মিন তুম্মিন লৈনরিবত্থু উন্দা ফৈরোইজাম্বা ওকলে ওাহাক রাখল .ভীরগা রাঙ্গোন নিংথৌগী মনাঙদা চঙশিল্লক্লুনা থুক থুদক কুন্দুন মথুং লোম্নরগা হঙ্গংলকই। "কেগে কংলা তৌ'রাইদা ফম্বিরিবা রাঙ্গোন নিংথৌ অমদি কেগে লৈবাকী ফম্মাইবা অওন্বা অনিগী মফমদা ননাই ফৈরোইজাম্বনা থুবাং তরা লোম্মনা চাংজৌ চেপ্প রাকৎচরি ওরাং অহীং তা'লৌ লৈমা থেংবদা ইশেল নোয়াই খম্ববু খোরি কৈথেন্দা কৌথোক্লগা মপুগী খোঙনেংশা লাঙ্গোই শামুগী মথোঙদা পুনশিন্নগা ফুংগাই চেগাইনা শৌ শাবা লৈমায়দা চিংথুনা য়াইবী মথরায় লোগে থৌবাংলমলে। শিবা মচেৎ থাকলবা লমজা মচাথু মীয়াম চঙথুনা খরাই লাইকম্নরবা ফাওবদা লাইথাই তাবা হৈমত্রি শিবা চঙবা মফম খঙত্রি। লৈবাকী মপী মপা ওইবিরিবা মপুনা অচুম অরান হিদিরগ; ইশেলগী য়াইবী লোগে ভেমশিংলমজিবা মরাল লৈবশিং অত্থু কাবিরগা রাম্নেন পম্বিং তাবিত্থুনা মতিক চাবা চৈরাক চৈথেং পীনবিয়ু।" অম্মা ফৈরোইজাম্বনা অমুক্তা নত্তনা অনিরক হম্না রাকৎপদা কনা অমত্তনা পাউথুম পীরক্লে, মক্ত নুকত্থুনা তুম্মিন তুম্মিনা লৈনখি। ফৈরোইজাম্বনা অহুমসক হন্না রা'কংলবা ফাওবদা রাঙ্গোন নিংথৌদি তানা তানা তাশিন-নরবা তুম্মিনা ফমত্থনা লৈরবদা চাউবা শাউরক্লে, মপাদি ফৈরোইজাম্বদা য়েংলগা। "তায় ফৈরে ইজাম্বা অপঙবা পাম্নমা শোইনাইবা নত্তবু উনা উনা উবিনবা ফম্মা ফম্মা মত মঙলত্রা? কেগে কংলা অসিদা মপা চা'উবা ঐ নত্তনা কথানু লৈত্তে খঙনা খঙনা কম্বিগী হন্না হন্না রাকৎ-লিবনো? মচাগী রাকৎপু অওবনি হায়হুনা মপানা হেক লৌবা য়াত্রা? নওবা মী ফঙৈ কথদৌনা উম্বিবা অত্থুদি মী নত্তে। তত্থু তৈবা ফন্নাংদা

ভাবা মচু শংবা কংলাগী যুম্বিছু নঙমা শেন্নায়না মী কয়া ওইনা উবমি। নঙবা হৌজিক নশেল নোংয়াই খম্বনু খোবি কৈথেল্দা কৌথোক্লগা শামু খোঙদা য়েংহুনা য়াইবী লৌনবা তেমশিংহুনা শিবা মচেং থাকনা নৈহৌরে হায়নস্থ রাকংপা শারি। মপা থোংলেন ময়ান চাউবা ঐথোয় অনিনা কেগেদা হিংলিঙৈদা নশেল নোংয়াই খম্বনু শামু খোঙদা য়েত্‌না য়াইবী সৌগে তেমশিংমবদি লাইরহুনা, মশাদা হৌবা হুরুম নামা শোক্লগদবা মীহু কেগে মোইরাং নৈবাক্তা মরু ইহল তমস্রি, মপা ফাওবা পোক্রি। নরা লৌবা য়াস্রে, মশক অহু য়েংমিদে চংখ্রো” হায়না চৈবিরে। চাউবগী উশিং থওইদনা য়াঙাংহু ভাহুনা হুসাই মথে মরু লুক্‌না রা ভাঙদনা তুমিন্না কমহুনা নৈদ্রিবা রাজোন নিংথৌদো থাঙহুমা নৈবা ডমশক্রেবোই শাউরক্লে। চাউবদা শংত্রিক য়েংলগা “করি চাউবা করি! মপুনা থরা চাল্লগা নিংথৌ ওয়া অঙবনি ঐ মঙাইরে মঙাগুম থকসি কারন রানাইদা, থাসি লিক্লেং শৈনাইদা, নচিন নয় হেনবদি রারক রাংতয়া ওয়া নিংথৌগী মনাও ইবুঙো চৌংথু নহা তেলহৈবা ঐ হিংলি কাইবোইনা অঙয়া” হায়রকলে। রাজোন নিংথৌগী য়াঙাংহু ভাবদা চাউবা কয়েমগা মীনোক্না ইশি শিনা নোক্‌না, “অহল ওইবসে ফজনিংঙাই শেমজনিংঙাই নৈতেদা। যিং নানগা ফংলক্তবনে রাজোন নিংথৌনা ভানা ভানা খুম্বিরক্তবহুদা মী নৈবা উজরক্রে। তমু তৈবা কল্লাংদা ভাবা মচু শঙবা কংলাগী য়ুম্বী ওইরবোই নীংলুয়ে, রায়ৌবিগম্ন” খুম- দোয়কই। “করি চাউবা! নঙওয়নস্থ ঐবু উশিং থওইদনা পংঙাও ভাঙবদি কেগে মোইরাং নৈবাক্তা লমহেন হুহেনবা অঙম অথৌশিংবু মায়ক রাতেয়া ওয়া নিংথৌগী মনাও রাজোন নিংথৌ ঐ হিংলি থক কাওরোইদবনি হায়রক্লে। রাজোন নিংথৌগী রাহু চাউবগী মপুক্রিংদা ফরিম্ন নাচুংথিলে। “চুম্বি নিংথৌগী মনাও ইবুঙোনি থঙৈ। অহবু মপুনা মপু ওইবগী থবক তৌরকত্রবদা মথা থাবা মনাইনা মপুদা কয়ম্বা থৌগললোম উংকদগে কয়ম্বা রাঙাও ভাওগদগে করি শাজং লিচং চংকদগে নীংথিনা ময়েক শেঙনা থঙবা কেগে নৈবাকী কম্নাইবা চাউবা

নোংখোন ঐসু হিংলি রাজোন নিংথৌনসু থক কাউবিরোইদবনি খুঙ্গে চাউবসু। মাগী পাউথুমহ্ন ভাবদা রাজোন নিংথৌদু শাউবনা মশা থক থক নিকু না ঈ কাম্বা মমিং অনিচ্ চাউবদা চাংদবগুম শংত্রিক য়েংলগা "করি চাউবা কৈমচা লোইমচা। ননজম্বা ভরা চেংকোক পুবগী চেনম কোক্লিবা মরোংবানদা নোইনি খুমপোং পুবগী পোংপু মমি লৈমিবা মীনাই কুবাম্লামচা নত্ত ভসি অতাং নাউরা তনিংগ্রে।" হংমনা নাকন্দগী খুংসু থাঙলেন শংকদবগী থাঙখোক পায়দগা হৌগৎ-লকপদা চাউবসু কমকমদগী হৌগংলকু না নাকন্দা য়ারিগা মথুংসু থাঙহ্ন শংকদবগী মথুংবা থাঙখোক পায়রে থাঙমক্তি শংনদে। মপু মনাই অনিদো চারাম্নবা পামব কৈগী মভৌগুম অশাউবা মিংয়েংনা মিংকম য়েংবদবা শংত্রিক য়েংনহ্ননা লৈনরকলে। মখোয় অনিগী মভৌহ্ন উবদা কমলদ্বা কৈরোইজাগহ্ন চৌগংহুনা ভৌকম থঙলহুনা হকনা য়েংহুনা লৈরে। অদুম্ন ডাহাক এংনয়গা নেমথনয়কু না রাজোন নিংথৌহ্ন কম-কমদা হেক কমথখিবগা চাউবনা মকোক নাম্নহুনা হায়রকই। "শাউবিগহ্ন রাজোন নিংথৌ অহুম্না শাউশিন্নরগা ফিহুনা হনগদবা চাউবা নত্তে। ননাইমা পামজবিবা থাঙশাঙ অসিসু মচম্বা লোকাকগী পেকপা লৈখোম্না শাবা কজনবা পায়বা লৈতেং থাঙ নত্তে মপুগী তুংইম্না খোগল কংবদা মত্তিক মাপা চারবা হয়েল থাবক শোম্নকত্রবা ইনিংথৌনা পীবা মনা থাঙনি।" অকিগা লৈতবা চাউবগী মখোনা, মমিক চুম্বা পাউথুমহ্ন ভাবদা রাজোন নিংথৌদো রা মচেং অমত্তা তাওদনা মরু লুকহুনা লৈখি। মৈতোল নেংলবা তাংজ লিনগী মভৌগুম অশাউবনা মাঙ-ওইনরবা চাউবমা মশা তানা অমুক হনংলকই। হৌজিক রাজোন নিংথৌনা ননাইদা তাকপিনিবা রাকমশিহ্ন অচুম্বা তাঙনি। ননাই চাউবা ঐদি অভোম শাগেদ। পোকচয়বসু মতম থরা কুবাম্লাদা নিংথৌগী কৌকৈ পামহুনা লৈকবনা কৈমচা লোইমচানি ইনজম্বা ভরা চেংদোক পুবগী চেনম কোক্লি নোইনি খুমপোং পুবগী লেংবান্দা পোংপু মমি লৈমিবা মীনাই মচানি তাকপিখিবহ্ন ইত্তিক ইপা চাম শাউজদে। অহুম্ কমিসু

লেত্রবা মীনাই ঐনা খোনবা মঙ্গ হায়রব। কত্রং মুকি মুগানা শাবা চৎরে নমথাং নিংথৌকি লেং-চাদনা মীমাঙ্গ ইকায়বা তাকপিরিবছু খক কাউনিগদু রাজোন নিংথৌ। অসি হায়রগা চাউবা ফমকমলাংদা কমথখি। চাউবগী রাজ্য তাবদা শাউনিবা পুন্নমক হাক্তিল্লগা তুমিয়। মরু পুক্তুনা কমলিবা রাজোন নিংথৌদো অশাউবগা লোয়নবা মমায় হাইগংলক্তুনা চাউবনু চাগদনত্তুম খানা য়েংলগা হংলকই। 'করি চাউবা ঐনা শেংলি চৎরিবা কত্রং মুকি মুগানা শাবা মমল য়ামলবা ফিজেল অসিসু নহাক্না খোননবনি হায়রবা?' 'মানি, রাজোন নিংথৌদ চেক নয়াম্বুং ইবুঙো নত্তেমা শক্নাই তানবী মঙ, মনাও ইবেম্মা ভরামাংখোই নখোয় ইবেম্মা খোইবী অসিদসু নত্তনা লৈবাক্তী কয়াইবা অত্তম অথৌশিংনা শেংলি চাগিবা কত্রং মুকি মুগানা শাবা মনাফি পুন্নমক ইরলনা লৈরন থেনবা মগ্রনসু চাউবা ঐগী ইয়েৌশিং ইথোনানা থোনবনি'' হায়রদা হায়রবা খোকোই। অসুম্মা থৌন ফনা থুম্নকপা চাউবগী রাজ্য তাবদা রাজোন নিংথৌদো ইকায়বনা মায়খোং থেত্তম লাংশিনখি, শাউনিংবনা চিনবান খক-খ কংলে কম্বা তম্নকত্রে। নিংথৌ ইচিল ইনাওনা শেংলি চাগিবা কত্রং মুকি মুগানা শাবা চৎরে ফিজোল অসি চাউবা নত্তনা খোল্লম্নবদি ফয়ে, করিগুম্বদা খোল্লমত্রবদি ''শরিসো রাজোন নিংথৌ ঐগী ইহিক খঙহনগে' হায়না ফমফমদগী হৌগংতুনা মযাম্বুং ইবুঙোসী সনা শঙ-লেনয়াইদা ফিগী মরোল হংগদবগী শাউনা খোকাপ কমজাউ হন্দুনা চংলিবা রাজোন নিংথৌগী মতুংদা চাউবা মাস্থ ইন্নখি।

মনাও ইবুঙো চৌংখু নহা তেলহৈবা অমদি চাউবা নোংথোক মপু মনাই অনিনা অশাউবনা মাঙওইনা তুংথা মাংখা খোংকাপ লাউনা থাংছুনা লাকপছু সনা শঙলেনগী মাজোন্দা কমজিবা নিংথৌনা উবদা লৈবাক নিংথৌগী ওইবা অরুবা রাজম খরবা লাকপা মাদে মশা মশাগী মরমাই ওইবা রাজমদা শাউছুনা লাকপা ওইরমগনি খল্লদুনা লৌশিং শিংবা মপুনা অহল ওইরবা চাউবা নোংথোমবু হায়না কৌরকই। ''কেপে নোংথোম পায়বা লৌশিং চাউবা পুরাংসু, শানৌতোম! নপু ননাইনা

ঐগী নাক্তা লাকপবু রাইরা শাখোং অরুবা হুয়েন লাম্থোং অকনববু কয়বা লৈবগে চিংনবা লৈতনা ভম্বিরে। ঐখোয় খ্বায় চঙনা লৈখাক্তা রাইকনবা ভাননসি, অক ফত্ত খয়সি, ওাহাক অরা পোথাবিরগো" হায়রক্লে। মপু মোইরাং নিংথৌগী রাজা'ম্ভু তাবদা চাউবা চেনশিন্নকু্না মপুগী খুয়া খাদা কোংয়াং রাপুম তাবগুম খুরুমদা, রা কাংখোকপদি ওমনবা মক লুক্ক্না লৈরে। মনাও ইবুঙো চৌ'খু নহা তেলহৈবদি শাউবনা লুংতোন ক খিত্নবা মক ফত্তা রাখল তুংওইননা ময়াম্বুংবু চিংনা য়েংলগা "য়াম্বুং ইবুঙো তাবিয়ু। ওসি চাউবা নোংখোয়' তাকপিববু নিংঙ্খৌ ইচিল ইনাওনা শেংলি চারিবা কত্রং মুকি মুগানা শাব, ময়ল য়াম্মবা চরৈ নমখাং কিজোল পুম্নক চাউবা নোংখোয়া খোনবনি তাক-পিরিবসিবু অচুম্বরা? মতুনা অচুম্বা ওইরবদি ননাওদি ওসিংগী হৌনা কত্রং মুকি মুগানা শাবা নমখাং অমত্তা শেংচরয়োই। ওসি কোরৌ নোংদি নশাংনৌ ঐগী পায়মা মু'সে ওক্তোক্লা খোইরাং খোয়শাউই, য়'বুংনা অংশবা ত'কপিত্না ননাওনা চিংনরিবসি কোকহনহ্নিয়ু" হায়ং-রকলে। মনাওগী রাজু তাবদা নিংথৌ মাসু হেক হায়দোকপা ওমখিদে। কয়ি রাহৌদগী মপু মনাইনা শাউনত্না রাফম অসি হৌদোক্লরিংনো খন্দুনা সনা মায়খোং লুরুক্লা তরেং তত্রা থোক্লা রাখল হৌরকলে। মত্তম অসিদা চরৈ ওক্তা য়েং খু লৈদা ভাত্নুনা মপু খুঁয় খাদা খুরুম্নিবা চাউবনা মথুং লোয়ত্নুনা হত্নংলকই। 'ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ। খুয়া খাদা লংজখিবা কোলায় লৈরবসু নদাইরেমনি খনবিত্নবা অয়োন অয়ান ভাকপিয়ু। ওসি কেগে কংলাদা মনাও ইবুঙো মথং খম্বগা পায়মা শিন্নোল্লা চৌম্বিবা ননাইগা রাহৈগী লাম্নেংনখি। চায়গদবা রানা ভুংওইনা হায়রোইদবা রানা মাওওইনা বাহৈ কায়ন চনখিবা খিবিক মপুনা ওাকপিগনি ইনিংথো।" চাউবগী রাজু তায়গা লৌশিং শিংবা নিংথোদো হৌখিবা খোদোক রাখোক তারবা ইরুবা লৈত্রবসু শানৌতোনগী অকনবা রাজাংদা মপু মনাই শাউনবনি খুলক্তা খঙসত্নুনা শাউখিয়ু খঙব, শানৌতোনসু অশাউ পরৈ চনখো নকম

লাংদা কময়থো হায়রক্লবদা য়াঙোন নিংথৌদি চঙশিল্লক্কুবা কমলে, চাইবদি কম্ম্‌ য়াত্রে, নিংথৌগী মাঙদা থুক থুদক কুম্দুনা লৈরে। শানৌ-তোম্বা অকনবা য়াহৈ য়াক্তা শীজিন্নখিবনা চাউবা নোংথোম্বা শাউনিংলিবা, মপুক্কিং হুংশিল্লিবা মথয়ায় হুংঙাইত্রিবসি কাজিনগে থল্লক্লে মপুনা। শানৌতোন মাদি নিংথৌ ঐগী ঈয়েমথাক্কি, মানা শাউবদি ঐনা থেমলগা লোংমা নম্রগা নোংমদি মরাইনা ফজখিগনি। লৈবাক্কী থৌদা পুরিবা চাউবা নোংথোম্বা শাউখ্রবদি থৌঙ্গু হুংনা তেকথগা শম্বা য়াদবগুম অশাউবা মৈচাক শাক হেক মুৎহনবা ঙমলোই। চাউবা মাস্থু মক্কুংদা অমুক হন্না চায়দনবা, খঙদবা শানৌতোম মাস্থু খঙজহৌয়সল্ল থল্লহুনা মপু মোইরাং নিংথৌনা মনাও য়েংলগা, ‘শানৌতোন! চয়ৈ ফিগী ময়মদা ইয়াম্বা হায়গে পুক্কিং চঙনা তাও। শানৌতোম্বা নহা ওইবনা খঙহৌদবা নম্রগা কাউথিবা ওইরিনি। কব্রং মুকি মুগা লংথলশিং অসি কেগে মোইরাং লৈবাক্তা ফংবা লং নত্তে। মসিনা শাবা মমল য়ামলবা কজরবা চয়ৈ ফিজোলশিং অসি লৈমা নিংথৌনা শেং-চাবদা নত্তনা কেগে লৈবাক্কী ফম্নাইবা অঙম অথৌ ফংদৌ হুমফুমরিনা শেংলিবা ইল্লিবা চয়ৈ নমথাং মনাফি পুম্নমকস্থু চাউবা নোংথোম্বা থোনবনি হায়রদা করিস্থু হায়মনবা থোক্লোই। অঙম্বগী মরলনা লৈহুনা থোনবাক নম্রবস্থু অঙম্বগী মরোলশিং মথৌনানা ফংবা কব্রং মুকি মুগানা শাবা চয়ৈ ফিনি। শেখি কবো লৈবাক্লা চহী কুমজা থুদিংগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কব্রং মুকি মুগাগী লংথল হুনা লোইপোং কাহনবা ঙন্না অঙম্বনি” হায়রক্লে। ময়াম্বংগী য়াহু তাবদা য়াঙোন নিংথৌ মরু দুক্কুনা বা মচেং অমত্তা ঙাঙদনা লৈখি। পায়মা লৌশিং চাউরবা চাউবা নোংথোম্বা চঙশিল্লক্লগা “য়াঙোন নিংথৌ! পায়মা শিল্লে লোমবা ননাইনা য়পু কাদা য়াহৈ কায়ন চনখিবা থোগললোন কায়খিবা পুম্বা নথা থাবা পায়মা য়াথল শোইনাইরবদি অঙহনি থমবিহুনা পুকথা লিনথা থাখিগদ্রে। নিংথৌ নচিল ননাওগীদমক্তা য়াইবী থরায় কংথোকথবা পাঙ্জবা ননাইনি। চাউংগী য়াহু তাবদা ময়াম্বংগী মাঙদা হংমদবা য়াদহুনা

"করিগী পুকথা লিনথা থাদগগে হায়রবসু চৌংখু নহা ভেলহৈবগী পায়মা হুংদদি অশাউবা মৈচাক কোকখিদে নাইনু কিশি কিখি। কেগে নোংথোম অওম্বা শানৌতোম, নপু ননাইগী পায়মা হুংদা অশাউ থাম্বী মৈ মুংপিহনা কংলাদা পোখাবিরম্মো ঐসু থ্না কাররগে থরব য়াবা লৈবাক্তী রাকম পুম্নমক কংলাদা থম্নসি হায়রকপা নিংথৌগী য়াথংবু পুংগা চাউবা রাজোন মিংথৌ অনিদো কংলা পাংখি।

শাইওনগী রাম্নৌবু মপুক্লিং চওনা তাজরিবী রাইসু মোরী থৌদনবীনা মপুক্লিংদা চিংনবা পোক্তনা মশানি কদনবগী মকমদা হংজরকই। "শাবি থংলেন তাকপিয়ু। মোইরাং নিংথৌনা মনাও ইবুঙো চৌংখু নহা ভেল-হৈবদা চাউবা নোংথোলগী মরোশিং মথৌনানা চহী কুমজা খুদিংগী শেম্বি কবো লৈবাক্লা কত্রং মুকি মুগাগী লংথল সুনা মোইরাং নিংথৌদা লোইপোং কারকই তাকপিরিবসিবু ননাওদি রাথল লাম্বা ফংজদ্রে। থুংকল পাজনবা শেম্বি কবো লৈবাক্লা করিগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কত্রং মুকি মুগাবু চহীগী লোইপোং কারিবনো" ? মশানৌ মনেম্মচানা থওনিংলিবা রাকমচু থওহনগে থম্নহনা রাইনু লাবা কদনবনা হৌখিবা চাউবগী থৌদোক রারী কয়াবু মশানৌগী মকমদা মরিব চুম্না কৈরকই। নৌনা মপা কায়নবা চাউবনা অঙাং ওইরিঙৈদা লৈত-লায়রগী হৈনা থাওবা তমদহনা মমা লুরাং চমু লুরাং লৈমন মপাম লুরাং লৈবাক্তা পুরগা চাউনবা য়োকখি। চাউবনা পাথং শরেপ কাররকখদা মমাগা মোইরাংদা হল্লকপদা অঙোম শাগৈগী মপা মতোলশিংনা মথোয়বু তারুমদনা লুরাংদা পুরগা লৈরকই হায়বগী শাউহনা মমা মচাবু অঙোম শাগৈগী মরুক্তা লৈহন্দবদগী ফুবাল্লাদা লৈখি। লৈত-লায়রনা হৌরক্লবসু চাউবদি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা মথৌনা লৈবা মরোশিং চাউবা মুপানি। নিংথৌগী তালোয় অহল য়েংথুরাংবী নোংমাইথেম্বীগী ফুবাল্লাদা লৈবা লৌ পরি মওাচু চাউবনা পামরম্মী। চহীগী কারকপা লৌশাল অচু চাউবমা থা খুদিংগী মবেম্মগী চানবা চেং মচং চেংকোক অমমম চোইরগা পুথংলত্তুনা কংলি, অরেম্বনা মমা মচানা চায়। নোংমা মোইরাংগী খুজেংলা যণ

শেনবা ষণজেনহাশিংনা চয়োং হাবুং নৈরগা থাদ্বী মৈ থাবদা মালং মুংশিং অকনবা থেংনহুনা মৈরিনা মাশা ময়েং ফন্দুনা মথং মথং লান্দুনা রায়থিবনা থাম্বী মৈজাউ ওনখি। মুংশিংনা পুবা মৈবুঙ্গসমা পাইথ্রগা কাবা তুম্মুরাকপগী শঙলেন য়ৌথিহুনা করোনা লুনা থমজবা শেম্‌হিগী মরম কত্রং মুকি মুগাগী লনগৈ তুম্না চাকখি। মসিদা তুম্মুরাকপনা শাউহুনা মনাই মশল থারগা থাম্নী মৈসম লীহুনা মৈগী হৌরককম শিংনবদা মোইরাংদগী হৌরকপা মৈফমনি থঙলহুনা তুম্মুরাকপদা তম-লুরে। তুম্মুরাকপনা করোগী অঙম অথৌ ফম্নাইবা থরা মোইরাংদা থারক্লুনা মৈনা তুম্না চাকথ্রবা ফৌগৈ লনগৈ কত্রং মুকি মুগা পুম্নমক লোইদাম থানা শিত্রিহৈ লাংহৈ কুম ওন্দ্রিহৈদা শিংগদবনি হায়রে। করিগুম্বা শিংলত্রবদি মোইরাংদা লান্দারকনি হায়নম্লু লানশিংকময়লে। পাউ অসি তাবদা নিংথৌনা লৈশাক্পী ফম্নাইবা অঙম অথৌ পুম্নমকপু কৌথংলগা মৈগী রাথোক থম্নবা হৌরক্লে। মৈনা চাক্লুনা তুমনা মাঙথ্রবা ফৌগৈ লনগৈ কত্রং মুকি মুগা পুম্নমক অমুক্তা শিংবা ঙমত্রবন্নু চহী খুদিংগী লোইপোংকী মশক ওইনা শিংজগে লান তৌনহুনা মীশিমীনা থোকহনগনুসি হায়না করোগা রাতাই শমদাইনরুনবা অঙম্বা কনা চংকদগে থম্নরুবদা ময়ৌশিং মথৌনা লৈবা কনা অমত্তা চোংথোয়ক-খিদে। মতুদা নিংথৌ মথরায় রায়ে, রাথলগী লংজিন পূনথ্রে। তুম্মু-রাকপগা রাতাই শমদাইনবা ঙমত্রিমথৈ চারা নামত্তা চাহুনা পুন্সি লেনগে নিংথৌগী মপুক্লিংদা চপ মুনো লেপথ্রে। লৈবাক নিংথৌগী অরাদা পাউসে কেগে লৈবাক শীনবা থুংলে, কৈথেল অকা অকুমদা রারী শাম্নবদা চাউবা মাম্নু তারে। নোংমা চাউবনা নোইনি থুমপোং পুরগা কেগে ওাংলৌ কৈথেল্দা য়োনবা লাকপদা রারহুনা পামেল উজাউ অবশী মথোঙদা ফমহুনা পোথারম্মী। মতম অসিদা মোইরাংগী ফম্নাইবা অঙম অথৌশিংনা লালোই শগোল থোঙবেংনহুনা দোলাই কৈনা তোংহুনা মনাই মশলশিংগা নোক থেহুনা কংলা কারকপহু উবদা চয়ে মমজুনবা শেংলিবা চাউবনা কেগে লৈবাক্পী অঙম অথৌশিংদা ওনশিল্লগা

চৈরকই। কেগে লৈবাকী অঙম অথৌ ফমনাইবশিং অসিনা কবোগা রাজাই শমদাইনবদি ঙমদনা কেগে লম্বী য়াংবীথক নোক খেন্না নংশিনবসে তাংজ মারবু ইকায়দমানে হায়না শোন্থাংননা হায়দোকপা চাউবগী মীচৈ অত্থ ফম্নাইবা অমনা তাহ্না অঙম অথৌ পুম্নমক্কী ভণ্ডদা শাউবনা লুত্তোন কাখিন্না মন ই থাবক্না ফৃহল্লে, মখুং অনি পুন্দুন খোংগোইনবগী মওংঙম চিংথুনা কংলা তাম্না পুরম্বগা মপু মোইরাং নিংথৌদা থুরমলগা অঙম্বশিংনা হঙ্গংলকই। "ইনিংথৌ! ঙসি ননাই ঐখোয়না কংলা থৌগায়রকপদা চৈরে মংজুনবা শেংপা ওমব ফুপা অসিনা নিংথৌগী সনা য়াথং ফংলবদি মহাক কবোগা রাজাই শমদাইনবা ঙমগনি হায়না কেগে লম্বীদা লাউ লাউথুনা চংলম্মী। মাবু ফারগা মপু থুয়াদা পুক্তরকপনি হায়না ওইদবা রানা অওইবা শাখুমা হঙ্গংলে। অঙম্বগী রাজু ভাবদা নিংথৌনা চাউবা য়েংলগা, "ঙমব নহাকপু কোলোয় নমিং করি কৌবগে কেগে কবি লৈকায়দা লৈবনো? নহাক কবোগা রাজাই শমদাইনবা ঙমগঞ্জা" হংলক্লবদা চাউবনা থুক থুদক কুপ্লগা মকোক নোম্মুনা মপু থুম্না থাদা হঙ্গংলকই। "ঐবু লোইবা লৈমাবা ননাইবু লোইবা ইমিংথৌ! মনাইগী কোলোয় ইমিংচি চাউবা কৌই ফুবাম্নাদা লৈজবনি। কোগে লৈবাকী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনা কগোগা রাজাই শমদাইনবা ঙমজংম্ব ইনিংথৌনা থৌজানবিহ্না ননাইদা শেপ্পি কবোগা থাম্বী মৈঙ্গী রাথোকসি রাজাই শমদাইনবা ঙমজৌ হায়না সনা য থং পীবিরবদি ওপুগী সনা য়াথংবু মালেম লৈদা তাদনবা ননাইনা চবৈ ফিগাউ শানা য়াজরগ শেপ্পি কবো লৈবাকী তুম্মুরাবপগা থাম্বী মৈঙ্গী রাহৌ অসি রাজাই শমদাইনবা ঙমগঞ্জা পাম্নবা ফুদা থমজৈ। কদ্বিঙ্ঘ্বা ঙমদবা থোক্লবম্ব কেগে লৈবাকী মহৎ মযোং শিন্দুনা ননাইগী রাইবী থরায় থারবম্ব পাম্নবা মুংনা চিংনজবে।" চাউবগী রাজু ভাবদা মোইরাং নিংথৌ মথমায় মুংজাইরে। অহুদি চাউবা সনা থাউজাউ কয়া লুপা থাউজাউ কয়া পুরপা তুম্মুরাকপগী মাঙখিনা কৌগে লনপেন্থ শমদাইনরুগদৌম্বিবনে হংলক্লবদা চাউবনা চখুং কোয়রগা হঙ্গংলকই।

"ইনিংথৌ! হন্দক ননাইনা কবোদা চংহনগদৌরিবসি সনা লুপা য়াম্না পুগদবা নত্তে। থুগা তুরেলগী থোংবান্দা তারিবা লৈত্তোই লেক্কা ময়াযসে ঙবোং খাউদা থম্না থম্না হাল্লগা মচিল তুহনা হিম্নুংদা পিক থম্না হাপচিনবিয়ু। অতগা হিরুদনা লুপা খাউজাউ অনি, হিনাউদনা সনা খাউজাউ অনিদং হাপপিয়ু। চিংঙু খাংজীনা চানবিরবদি ননাইমা সনা লুপা চনিং অমা ফাওবা মাঙহন্দনা হনজরকে।" চাউবগী য়াহু তাবদা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্নমক নোকনিংবা কোলায় নোকপা ঙমদনা মচিল থুমহনা খাংনখি, মমিং থংনহনা লৈনখি। নিংথৌনা মনাই খাহনা লৈত্তোই হানবা ঙবোং খাউনা হিপোং থম্না হাপ্লবা থোদাগ্রে. হিরু হিনাউ অনিদা হাপ্লবা লুপা খাউজাউ অনি সনা খাউজাউ অনিহনা চাউবদা শীম্নরে। হিন্থু হোন্নবা তমব লুপা মঙাম্নু পীরে। কবোদা চংনবা লেম শাবা লোইরবদা চাউবনা মখুৎ লোম্নরগা "ইনিংথৌ ননাইমা অচম্বা কিজোল লেংতুনা নিংথৌগী মহুৎ শিন্দুনা তুম্মু্রাকগা বা ঙাঙ-নবদি লৈবাক নিংথৌগী ময়েং তাবনি, তুম্মু্রাকপনম্নু খাজবিরোই। হন্দক কবোগা য়াতাই শনদাইনবা চংপসি পিল্লবম্নু চাউরদম্নু ননাইবু ফম অমতাংদি হাপিয়ু, হন্নগা তম্না লৌথোকপিয়ু" হঙংচরক্লে। চাউবগী য়াহু তাবদা মপুনা পেনবিরবোই নহাক্না পান্বা কমহু হায়হু হাপপিগে তাকপিরে। ইনিংথৌনা মুংশিবিরবদি তুম্মু্রাকপগা মায়োক্লনা বা ঙাঙনবা ঙম্নবা ননাইবু নোংখোল ফম হাপপিয়ু হঙ্গৎলকলে। চাউবগী য়াহু তাবদা নিংথৌনা থুদক্কা চাউববু অঙম অথৌশিংগী মমাঙদা মঙম থহুগৎ ওইনা মোংখোল ফম হাপপিহনা নিংথৌগী মনাকি পুম্নমক লেং চানবা পীবিরে।

মপুগী থোজাল ফংলবদা চাউবা মথমায় মুংঙাইনা খামেন চংপা লেংচিল্লে, ফম্রিং শাইজোনবা লিংশিল্লে অঙম অথৌগী কিজেং লৈজেং থুজি তাল মুনা শিজিন্নগা নিংথৌ থুরুমহনা হি তোংলগা লোক্তাক শমহনা লাকলে। লোক্তাকগী কেগে থোম্নদাক মোইরাং নোংগাংখোং তারে। তুরেল অচৌবদগী তাকথি ফাওরগা পুমলেন ফংলে, পুমলেন্দগী

কক্চিং তাম্না হি হোল্লকপনা মচিল মনাও চৌংলক শম্মহুনা ঈরুম তুরেল তাম্পা শেম্নি ককমাং য়োরহুনা হি থারে। চাউবনা হি লোনবা তমব মুপা অহুম থাহুনা মোইরাংগী মৈনা চাক্তুনা মাংখিবা কবোগী কৌগৈ লনগৈ শীংনবা সনা লুপানা থম্না হাম্না হিপোং অমা খুংলয়ে হায়না কবোদা পাউ পীহল্লরে। পাউহু তাবদা তুম্বুরাকপনা মনাই অঙম্বা অমা হিথাংকম তাম্না থায়কুনা য়েংহল্লে। কবো অঙম্বনা হিয়াইদা কাগে তৌবদা চাউবনা সনা লুপা মথক্তা খোঙনা নেংপদি লাইথুং পকনি হায়হুনা কাহনত্রে। চাউবনা কবো অঙম্বক্তু হিনাউদা পুহুনা সনা থাউজাউ অনিহু য়েংহল্লে। হিকদা অমুক পুহুনা লুপা থাউজাউ অনিহুস্নু য়েংহনবদা কবো অঙম্বগী মপুক্কি দা সনা লুপা পিকথম্না হাপপা হিনি মপুক্কিদা থল্লহুনা হরাওনা চংঙগা তুম্বুরাকপদা পাউ তমল্লুরে। তুম্বুরাকপনা মনাই থায়কুনা চাউববু কবো শঙকেন্দা কৌশিল্লগা বা থম্নবা হৌরল্লে। মোইরাং ঐথোয়গী থাম্বী মৈনা চাক্তুনা মাংখিবা কৌগৈ লনগৈগী মমল করানো তাকপিয়ু। শি অরগে হায়রকপা চাউবগী খৌনা কবা রাঙাঙ তাবদা তুম্বুরাকপা মরু লুক্তুনা মমল কয়া হায়সিগে তায়েং তরা খোকনা রাখল তৌই। তুম্বুরাকপনা ওয়াহাক থল্লিদা চাউবনা অমুক হঙংলকই। মৈ, ঈশিং, মুংশিং অহুম অসিদি লাইনি মথোয়না তৌনিংবা তৌবদা কনাসু খিংবা ওমগদবা লৈতে অহুনা অহুম অসিনা মাহেন তাকহনবগী মমলসি লৌনগল্লসি মুংশিননা পানম্নিল্লবা কমলোম্নবা বখো মোইরাং লৈবাক্কি। মাঙখিবা কৌগৈ লনগৈগী মমল শীংনবা তারবস্নু হাম্না মাঙবনা হাম্না শীংবা কোম্না মাঙবনা কোম্না শীংবা হায়বসি ইপা ইপু ইবুধৌ করাগী হাক্তকগী কারদনা চংথরকলিবা লৈবাক নিংথৌগী পথাপনি হৌহিক থাংগুথক্তা থংহোং হেক হোংদোকপা য়াবা নত্তে। মোইরাং ঐথোয়গী মৈনা কবোগী কৌগৈ লনগৈ চাকপগী মমল শীংবা তারবস্নু কুমশিদনি। অহুগা কবোগী লমদগী চহী খুদিংগী লেপ্পুনা চেল্লরকপা ঈশিংনা মোইরাংগী য়ুম থুমহুনা লৌ শিন্নিবা লৌ মাঙহল্লিবা মী শাংথণ করাগী

মথরায় মাঙলিবসিদি শীংথাহনা ওহ্বা নত্তে। হৌজিক ফাওবা ঈদিং ময়াম অহ্ চেনকম লৈতহনা লোক্তাকা ঈরিহনা লৈরি। লমলোয়বা লৈবাক্তি, মক্লপ মপাংনি থম্লুনা ওসি ফাওবা মোইরাং ঐখোয়না কবোদা সনা চনিং অমা ফাওবা শিংঙু হায়দে। সনা লুপা, লন-থুম মাওবদি সনা লুপানা শিংবা য়াই। তাইবং মী, শা-যণগী মথরায় মাওবদি করিনা শিংগনি। ঐনা হল্লংচরিবসি থাজবিদ্রপা হৌজিকমক মী থাহনা ঈশিংনা মাংহল্লিবা মোইরাংগী ফো ময়ামহ য়েংহনবিয়ু।” চাউবগী মরীক চুখা থেংকম লৈতবা য়াওং অহ্ তাবদা তুম্বুরাকপা য়া মথা তাবা ওমখিদে। চাউবনা কবোগী অওম অথৌশিংগা চংমিয়হনা য়েংমিয়বদা লোকাক থোংবানদা মোয়সি লাইকৌ মরাম কেন্দুনা মাঙলিবা, ঈশিংদা তাহনা মতোল চোকলিবা মতু চোম্বা য়াইমু চায়া মরাম পুমহনা মাঙলিবা কোয়ামহ উবদে। কবোগী ঈশিংনা চহী থুদিংগী মাঙহল্লিবা মোইরাংগী ফোয়াম অসিগী মমল কয়া ওইগদগে পাথোকপিয়। য়ুম থুমহনা শা-যণ কয়া মাঙলিবা অহুস্থু চাউরাকা মশীং লেপথোকপিয় হায়রকপা চাউবগী য়াকং অহ্ কবোগী কয়াইবশিংহ য়ানিংলে। কবোগী ঈশিংনা চহী থুদিংগী মাঙহল্লিবা মোইরাংগী কোয়াম শা-যণ কয়াগী মথরায় মাঙবগী পাউহ্ তাবদা তুম্বুরাকপা মক্ল লুক্তুমা তাহাক হাথল তৌরগা চাউবা য়েংহনা “মোইরাং অওম্বা! নখোয়গা ঐখায়গা হংনবসি তোক্লসি। নখোয় মোইরাংনা মাঙবমা য়ায়া হেক্লে। কবো ঐখোয়না মাঙবদি কুমসিনদি, নখোয়না মাঙবদি চহী কুংদা থুদিংগীনি হায়বহ্ ঐ য়ামিংলে। মৈনা ঈশিংনা য়াঙহনখিবা লনথুমগী মমল খিগবনরংগম্লসি। ওসিদগী হৌনা চহী থুদিংগী কবোনা কত্রং মুকি মুগা লংথলহনা থল মত্তা মত্তা মোইরাংদা লোইপোংকী মশক ওইনা কায়কে। মহুনা নখোয়গী চহী থুদিংগী মাঙখিদা ফোগী মমল কোক্লয়সি” হায়রকপা তুম্বুরাকপগী য়াহ্ চাউবস্থু য়া.র। অস্তুম্মা কবোগা য়াতাই শনদাইমরহনা কবোদা সনা লুপা চনিং অমা ফাওবা পীরমদনা কবোনা লোইপোংকী মশক ওইনা পীরকপা কত্রং মুকি মুগাগী লংথল মুরবা

খল মত্তা মত্তাদু পুরগা হল্লকুনা চাউবনা মোইরাং নিংথৌদা কংলে। পাউ অসি তম্বদা লৈবাক্কী ফম্নাইবা অঙম অথৌ ময়ামদু হয়াংজরে, মপু মোইরাং নিংথৌস্ন পাযমা থৈনা পেল্লে। পায়মা ৎৌশিং শিংবা অতোম চাউবস্নু কেগে মোইবাং লৈবাক্কী নোংথোন ফমদু মুমিং অতুঙকদা হৌনবী মতু ইম্না লৈবাক মীয়াম মমাঙদা হাপ্লবদা চাউবা মথক্নায় লুংঙাইনা মযুমদা হনখি। লৈবাক্কী ফম্নাইবা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা চাউবা। নোংখোনদো ক লা শৌগাবদা দোলায় তোংই, কুম্বদনা লাক্লোই শগোল তোংদুনা মনীং মথা তম্না পানখি। চাউবগী য়াবী য়াথোং অদু মশাবি য়াইম্ন লাবা কদনবনা লীদুনা তারগা য়াইদ মোরি থৌদনবীন মশাবিদা য়ারী মথা লীথবিয়ো হায়রক্লে।

কেগে কংলা তোয়াইদা অঙম অথৌ ফম্নাইবা অফল অথৌ দুনা তিল্লক্লে, মপু মোইয়াং নিংথৌস্নু মনাইশিংনা থৌগল তৌয়গা থংলরে। থম্বু থোয়ি কৈথেন্দা কৌথোক্লগা শামু থোঙদা য়েংতুনা য়াইবী মথক্নায় লৌয়মগদৌয়ে তাঙনবা পাউদু তাবদা মীয়ামস্ন কংলা তাম্ন চেনথংনকুমা চৈরাক য়ায়েল পাউদু তাগদবগী মীয়াম্না ফিংৌ ফৌবঙম তিল্লকলে। কৈয়োইজাম্বা সনা মাঙদা চঙলক্লুনা থুক্ল থুদক কুম্মুমা মথুং লোময়গা হমংলক্লে। "ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইদা শাইনিংথৌ! থুবাং চাংজৌ তয়ানা ইদু কাইনা লিশিংনা চাংজৌ চেথা থুক্লমতরি। ঙয়াং অহীং তাংগৌ অথেংবদা নদাইয়েম থম্বু থুদক থুনথাগী দোলাই পাবা অনি লাক্কুনা থাজা কয়াং থেংগনি মপু সনা য়াথংনি হায়না কৌথংশিরগা কেগে থোয়ি কৈথেন্দা মপুগী থোংনেৎশা লুয়া থা লাঙ্গোই শাম্নু য়াইশাগী মথোঙদা পুল্লগা চেগাইনা শৌ শাবা লৈতংগোই মথক্লা থম্বু চিংদুনা হাংকদবগী থৌবাং তৌয়িবদু মজাইবেম্মা থোইবীনা নোংঙাল্লমদাইদা তাংকলুনা চেল্লকপদগী মপুকচেল ফত্রবা অতোম শাগৈগী থৈতাগ অশিবা ইনা০ নোংবামবু তাথোক্লগা শম্নু হকচাং থাদোকতুনা চংলমগদৌয়বা ইশেল থম্বগী য়াইবী থয়ায় মতাবু মজাইবেম্মা থোইবীনা ফাম্নগা থম্নাই লাইকনম্নগদু নমাই ঐনা অদুক অতনবদা লাদোই শগোল

শোইদৌ লাকপা থোরকপদা থেংনরে। ফুরি চৈহিবদা মশা পোপ্লবা, সুংগাই চেগাইনা শৌ শাবা লৈমায়দা চিংদা হকচাংগী উমশা পুম্নক কুরোল হুত্না শিন্দুরকপা ঈথোংত্তনা মশা পুম্বা চোংলবা, মপী মপা লৈজব্রবা মাগীনি হায়বা হম্না য়েংবদা কেগেদা কমা উত্রবা লায়রবা লমজাদো নমাইনা চরৈ ফিনা য়োম্লগা পুখৎচরক্কুনা মপুগী কংলা সনথোং রাংমদা থমজরি। থরাই লাইকম্লবা শোল্লবদি ননাই লমজ্জা হিংগনি থাজদে। মপুনা সনা মিংয়োং তাবিরগা রায়েলপক্লিং থাহিং মত্তিক চাবা চৈরাক পীনবিয়ু।" কৈরোইজাম্বন' মমিত্তা পিরাং শিন্দনা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা রাকংলকপ' রাজু তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌদো থঙহৌদনা ভু চুংলে, সুংশিন্নবা মনাই খম্বু য়েংগদবগী সমথোং তাম্না লেংথোরকলে। চরৈ ফিনা কুপশিল্লিবা খম্বু ফি হাইদোক্কুনা য়েংবদা উনশা পুম্নমক হুগংখিবগী ঈনা মশা পুম্বা তাঙলবা লমজানা অয়ো ইমা অয়ো ইমা হায়না পলেম মমা কৌরগা মমিং উইশিন্দুনা অনাবা চৈনাথোল থাঙলিবা, ফুবিবদা মমিং মমায় পোমলবা মনাই খম্বগী মশক্কু উরুবদা নিংথৌ থম্মোয় শোকখ্রবোই রা মচেং অমত্তা তাহদনা চৎলক্কুনা তাংবল থক্তা ফম্লগা মক লুক্কুনা লৈখি। অঙম অংথৌ পুম্নমকসু রা মচেং অমত্তা তাঙনদনা নিংথৌগী মাক' য়েংহুনা মরু লুক্কুনা লৈনখ্রে। মত্তম অসিদা মনাই মশল মমাম থোমলগা মুবা মেরা অনিনা মতুং ইন্মুনা মমৈ মনা করুগা দুরাং তাউবা হুইজাও মরিনা মাঙ থারগা লাঙোই শগোল কাঙ্ক খোংদাংবা তোংহুনা থোংদেম্না মপারি খম্বগীদমক্তা য়াইবী মখুবাক্তা হাপ্লুনা হয়েল লানলাউ লাউর লাউরহুনা কংলা তম্না লান চৎলকলে। অকনবা নোংদৈ সুংশিংকী মাঙ থারগা লমজাউথোম্না চাকপা থাম্বী মৈজাঙনা থোংবা লাউনা পাইশিল্লকপগুম, ইতা থাগী ঈহৌরকপা তুয়েনগী অকনবা ঈচেলনা ঈরাউ-থোলগা লোয়নবা অপনবা লৈত্তনা ফুত্তিল্লকপগুম থোংলেনগী শাচাউ লান-লাউ মথোল তাবদা কংলাগী মমাঙদা পাউ তাগদবগী তিল্লবা মীয়ামদো কায়হুনা চেল্লখি। থোংলেম্না লাঙোই শগোল শয়াংখত্তগী লংকপা

অরম্বাইনা কংলাগী খোংজিল্লা য়ুংবগী পাউন্থু তাবদা কংলা মমুংদা ফম্লিবা অওম অথৌ কম্লাইবা পূম্নমকম্থু ফন্না ওমদন্থুনা ফুক ফুক চৌগৎনরক্লে। খোংলেম্না অপমবা লৈতনা চঙশিল্লকপা লানগী লানওং উবদা কনানম্থু থিংবা ওম্নরোই পঙলহনা নিংথৌনা চাউবা মোংথোন অঙম্বদা নত্তাও খোংলেনগী লান থাঙ্গিয়ু হায়জখি। শামা পাঙ্গল মরোং তারদা ললাইদি খোংলেনগী লান থাম্বা ইতিক নত্তে। নিংথৌগী মনাও ইবুঙো শাদা লান্দা থৌবা রাঙ্গোন নিংথৌমা লৈনিঙ্কেদা মপুগী পায়মা ংবদা চিংনবিগম্থু হঙৎলক্লে। চাউবগী রাম্থু তাবদা চৌংথু নত্তা তেলহৈবদো মুংশং থীরক্লে। ঐনা শাউনিংম্বুনা রাইত কাবন চনখিবম্থু পুক্লসৌ পাবৌ-গনু। খোংচন অথৌবগী লান অসি অঙম্বা নত্রবদি কেগে কনানম্থু থাম্বা মতিক নত্তে। রাঙ্গোন নিংথৌগী মবুংচেল তিংবা রাম্থু তাবদা চাউবনা খোংলেনগী লান থামলগে মপুক্কিংদা থল্লহুনা চাউবনা লোয়শঙমচা থাম্থুনা থম্বু লাম্না পুথোকহনগ্রগা মপারি ফৈরোইজাম্বু থম্ব শাহন্দুনা মতুংদা লেপহল্লগা কংলাগী সনাখোং তাম্না খোবক্লগা মখুৎ থাংগৎলুনা লাউরম্বই। "পাথৌ ইবুঙো খোংলেন কেগে লালোই তাম্বা অথৌবা! তাইথো শাউথিম্থু তপথখো। ঐথোয় অনিমা মপুগী য়েংথাঙ ওইথাঙ ওইনা লৈরিঙৈদা মপাঙ্গল মথৌনাদা লাম্বা লৈত্রবা নপারি থম্বগী তুবুম নামা তংহমগদবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কংাগী মতিক লৈকগে। মচিল থিবা কনাগী মন্না লৌম্বুনা করিগী চুংথেল লান লাকনিবনো নপারি শাজ্ঞৌদি করিম্থু তৌদে, ঐগী তুংওইননা লেংঙিবা অসিবু উত্রবরনে পাথৌ" হায়না লাউরক্লে। মতাও চাউবগী রাম্থু তাবদা মাগী মতুংদা লেপলিবা ফৈরোইজাম্বু অরাম্বদগী খোংলেনগী মমিংতা থম্ব ওইনা উখি। চাউবনা খোংলেনগী নাক্তা চেনশিনখিহুনা ওইদবা রানা অওইবা শারগা তাঙবদা মতাও খোংলেনগী অশাউবা মৈচাকপু লেমথহন্দুনা মথুংতা পাররিবা থাঙশাংথু থেমহনা লৌথোক্লগা মথুৎ পায়হুনা মপুগী নাক তাম্না পুশিল্লকলে। সনা মাঙ মৌরবদা নিংথৌনা কেগে খোংলেন লালোই তাম্বা অথৌবা! অশাউবা মৈচাক মুংপিখো কমকম লাংদা

কমবিথো হায়রক্লবদা নিংথৌ থুরুম্মলগা থোংলেন মচুং চা ফংখি। মপানি খম্ব উদবদা চিংনত্তুনা হংবদা চাউবনা নপাগি নোংয়াইচি মচেম লাম্লোনবা লায়র শঙ পংথে হায়ক্বিল্লে। থোংলেন য়া মখা তাখিত্রে।

তাহাক লৈরগা চাউবা হৌগংলক্তুনা নিংথৌ খুঁরুম্নগা "ইনিংথৌ চন্দক নিংথৌগী শামু য়াইশা পুথোক্তুনা খম্ববু হাংনবা শিল্লমজিবা পোদোক অসি ননাই নোংবান মতোমতগী খুজিল থোল্লাং মান্দে, মনাও ইবুঙো য়াওরমগত্রা পায়মা শুংদা চিংনজে" হঙ্গুংলক্লে। চাউবগী য়াম্ভ তাবদা থোংলেন্না শাউহুনা হৌগংলাকপদা চাউবনা মতাংবু মথুংক্তং পায়হুনা খামজ্জে য়াঙ্গোন নিংথৌদি কয়িমত্তো থুমদনা মরু লুক্তুনা লৈরে, অহম অথৌশি নিংলোম্না লোম্না য়া তাম্লরকলে। লৌশিং শিংবা চাউবনা "ইনিংথৌ, খম্ববু মপুগী শামু য়াইশগী মখোঙদা পুনবগী লংলা লংজিনসি ননাই নোংবানগা তথেল শারুংহনবগা অনিদা হংলগা অশেংবা য়াকম খঙবা ঙমগনি" হঙ্গংলক্লে। নোংবানদি লোয়শঙমচা থাদুনা খিহনদদা খিবা ফদহুনা হল্লক্লবদা চাউবনা থোংলেনগী মনাই মুবা মেরাদা নোংবানবু খঙনবা থিরগা পুরকউ থৌদায়বদা মংোম্ম ফংখি নিংথৌ থুকবলগা চংখি। তথেল শারুংহনবা শামুহঙ্গববু সনা মাঙদা কৌশিল্লগা মামা খঙবা উবা পুম্নমক অমত্তা চিংখদনা হঙ্গংলু নচিল চুংলবনি নথল্লায় কনবিগনি, চুংক্রগনা অয়াং নাউরা ওনহনগনি হায়রগ্রে। তথেল শারুংহনবনা চরৈ ঙক্তা য়েংতুনা নিংথৌ সনা মাঙদা কোয়াং য়াপুম তাবগুম থুরুমলগা হঙ্গংলে। 'এবু লোইবা লৈমাবা ননাইগী ইরান তাকপিয়ু। য়াঙ্গোন নিংথৌনা মনাই থারক্তুনা ননাইবু কৌরগা শামু য়াইশা পুথোরকউ ইনিংথৌগী য়াথংনি অহৌংদা মীচিক মীয়াঙ-থোল তাদবা মতমদা থাজ কয়াং থেংগনি হাকপিবদগী ননাইনা য়াজদববু ইনিংথৌগী য়াথংনি তাকপিবদগী বিজহুনা য়াঙ্গোই থোংনেং-শাবু পুথোক্লগা মোইরাং পাংতোন্দা খমজে। মনাও ইবুঙোনা মনাই থারক্তুনা থোরি কৈথেন্দা শামু পুরকউ তাকপিরক্লবদা মনাইনা মাইয়াং হিগালম্বী শমহুনা থোরি কৈথেল য়োরকপা মতমদদি নোংয়াই

থম্বল নোংবানগী মমাইশিংনা কুদিবগী চৈনাখোকনা কপ্‌লাউদুনা ঙৈরে য়াইবী মথয়ায়মক্তি মাঙলক্লি। অঙোম নোংবান কোংয়াম্বনা লাকোই শামু মখোঙদা থম্বু পুনশিল্লগা ননাইদা শাম্ম থৌ তাকপিরকই। ননাইনা থম্বগী য়াইনী থয়ায়দু নোংঙানবা কাওবদদি কনবা ঙমত্রা য়েংগে থজহুনা মনাও ইবুঙোগী য়াথং কৌরগা নোংবান থঙহন্দনা লাংখোংজি হাপ্তুমা থৌরি কিয়ৌ হোংদুনা থম্বগী য়াইবী থয়ায় কন-অরকপনি।" তখেল শাক্লংহনবগী রাজ্য তাবদা খোংলেন কম্বা য়ায়ক-ত্রবোই য়াঙোন নিংথৌবু চাগদৌবগুম য়েংগ শাইনিংঙা মপান্নোম তিংদুনা মথা চিকনা হৌগৎলকপন্ত উবদা চাউবনা চঙশিল্লক্লগা মহাওবু শাউখিল্ল, মপু সনা মাঙনি থেমজিল্লি। খোংলেন হিংলি থঙনা থঙনা পাম্নি শাজৌবু য়াইবী লৌগে তেংশিংলম্বসি খোংলেন ঐবু হয়েল লানশিংমবনি, লাকচৈদা হায়না মরাইবক্তা খুংদুম্ন তুহুনা অশাউবা মৈচাক থাওখি। তিল্লিবা অঙম অথৌ কয়াইনশিংনা য়াঙোন নিংথৌগী খুজিল খৌরাংনি হায়না লোম্না চিথোন চিবোন ঙাঙনবদ্ধ মপুগী সনা ন'কোং য়োথে। নিংথৌনা মনাও য়েকপা "শানৌথান! তখেল শাক্লংহনবনা লৈবাক্তী অঙম অথৌ মাঙদা হায়রিবা য়াকম অসিদা শানৌত্তোম্না থঙবা উবা হায়নিংবা কম্রি লৈবগে" হংলক্লবা কাওবদা য়াঙোন নিংথৌদি মরোল খোজবা মীংঙম রা মচেং অমম্ভা ঙাঙদনা তুমিন্না মরূ লুকনা লৈখি। মঙম অসিদা অশাউবা মৈচাক থাহুনা লৈরিবা খোংলেন্দো থাঙবা ঙম্রুক্রুহুনা সনা মাঙদা চোংথোরক্লগা "ইচা মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইবিগনু। অচুম অয়ান খিবিয়পা য়াম্নেল পরিং তাবিয়ু মত্তিক চাবা চৈয়াক পীবিয়ু। পাম্নি নোংমাই থম্বনা মপু কাদা লাল্লম্বম্ন কংলাদা কৌথংপিরগা মরাকপী মত্তিক চাবা চৈয়াক ওইনা সোক্লাক চামি খেমলবদা ননাইগী পুক্লিংদা কম্নিসু চিংনয়োই-মবনি। অহুদি মবনা কেগেদা লমজা মচানি মোইরাংদা শারা শক্লবনি মতাঙম মীয়ুংশি থঙদনা য়াওয়ৌ শারমচংকুম পাম্নি নোংমাই থম্বু লাক্লগসি লৈবাক নিংথৌ পাম্বুনা কংলো য়ায়েলশঙ তিংখেমী কাম্নত্রে"

চঙ্খৎলক্লে। কম্মা হৈত্রবা থোংলেন্দো মচাগী কা থোক্লবোই মপু সনা মাঙনি খম্বনা পাথৌ মরূপচা মুংশিবা কোরৌ নোঙাম্খবা য়াম্ছেম মৈরা মুংঙবা পুরেম্বা অথৌববু কৌরগা ইতাও নঙদি কোয়ৌ নোং-মদোল থক্কা নপারি লমজাদু শাম্বু থোঙচায়ৎ চাক্লোই থোক্পা পুক্নগা শিবা মচেক থাক্লা লাক্লবত্ত ওয়েক্লা য়ানা যেংহি-হিদকো হায়না অহম্বা নোংথোংবগুম কপলক্লে। থোংলেনগী মতৌ উবদা কংলাদা ভিক্লিবা কম্লাইবশিংদো মমিংত্তা পিরাং শিত্নুবা থঙনখিদে। মপু পায়মা উনগোইত্তুংস্ত্র মনাইগী মুংশিবনা মুংঙোক্লে। কংতাদ ভিক্লিবা মীয়ামদো মুমিংত্তুদা লানকত্রবা খম্বগী মীচং ঙাক্তা ঙাইরে, মরাল লৈবা মীচ মভিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু লাউনবক্লে। মরাল লৈজনবা ইদাইরেম খম্ববু য়াইবী লৌগে থৌরাং তৌরম্বা মরাল লৈবা মীশকান্তা চাউবা থোংলেন অঙম্বা অনিনা থিদোক্লগা মভিক চাবা চৈরাক চৈথেং পীবদা নিংথৌ ঐনা য়ারোইদবা করিম্নু কৈক্তে হাকপিরক্লে মপুনা। মতম অসিদা চাউবা থোংলেনগী মনাই মুবা মেয়া অনিমা মুত্তাং হাইরা ছইজাউগা লোয়ননা লোংতুপ তামংশুম মায়গে থুদিংদা লৈছনা থিরকপদা তৌজেন পোকপী লাই থহাকগী ভুথ্রো তৌরাং সরক্তা লোংতুনা লৈরম্বা নোংবানবু কায়গা কংলা তায়া পুরকলে নিংথৌগী য়াথং কংলবা চাউবনা সনা মাঙদা চঙশিন্নগা "ইনিংথৌ! নোংয়াই খম্ববু থরাই লাইকয়বদা চিংগু থাংজীনা কুবিথুমা যয়রদি করে, করিগুম্বা য়াইবী মাঙলবদি খম্ববু হাংকে লৌতুনবা য়াজোন নিংথৌগা নোংবানগা অনিবু অঙাং নাউরা ওনহনবা পায়তে। খম্ববু থরাই লাইকয়রিতে মতমদা য়াজোন নিংথৌদি মপুগী সনা শঙলেনয়াইদা থম্বিয়ু। নিংথৌগী দোলাই পাবনা ওয়া চাকশিনহুমা ঙাক শেনহন-বিয়ু। খম্বনা কংলা কাবা তম্বা মুমিংত্তা কংলা কাবা য়াহনবিয়ু কঙ লৌশিং চাউরবা নোংবানদুনা থৈজংশদা বুয়াই হালাম্দুনা থমবিয়ু, খম্বনা কংলা কাবা মুমিংত্তা থাদোকপিয়ু। নিংথৌগী সনা য়াথং য়াওদনা মপুগী থোঙনেংশা শামু য়াইশাবু পুথোকপা হাথেন

শাক হনববুনা মপু লৌচা করুপিন্দুনা নিংথৌগী লাম্লূপ পুহনবিমু। মসিনা মথোয় মথোয়না লংজবা মরাংগী মহিক মাপা চাব চৈরাক রায়েল ওইগনি" হন্দংলক্লে। চাউবগী রায়েল শরিংদু তাবদা অঙম অথৌ কয়াইবা ময়ামসু মতুনা চুমগনি হায়নরক্লে। অঙৌশিংগী মাকা ঙু ইমা মপু মোইরাং নিংথৌনসু চাউবগী রাংকদু য়াবিরে। নিংথৌগী চৈবাক ফংজবা রাঙ্গোন নিংথৌ অমদি নোংবান অমিদা লোইশঙ-মচাশিংগা লোয়নন৷ কংলাদগী মপান থোকখ্রে। মতম অসিদা নিংথৌনা "ঈপু থোংলেন অথৌবা! ইমোম লাংলেন খোইবীদু লায়রশঙদা কুমহুনা থম্ব লাইকয়বদা য়াওসনু। থম্বনা কংবা কাবা ছমথি ফাওবা লায়রশঙদা ইমোমা লৈগে থম্বসু লৈজসনু" তাকপিরে। তসিগী কংলা রায়েলদি ওম্লশনা লোইশিল্লগনি হায়রকপা নিংথৌগী য়াথং ফংবদা অঙম অথৌ পুম্নক কংলা থোঙম্লখি। চাউবা থোংলেন অনিনা কংলাদগী থোরক্লগা মপারিদু কৌজরদা থম্ব তান তানা থুমবা ওমখিদে। থম্বব্ দোলাই থত্ত। হাপ্লগা চাউবা থোংচেন খৈরোইত্তাম্বগা লোয়ন্না লায়বশঙদা পুংক্লে। কৈখাকী অমাইবা অমাইবী চঙহুনা ইরাং চপান থাহনা মানা মানা থঙজবা হিদাক লাংথক থাদুনা থরাই লাইকয়দা হৌরক্লে। লাইবকচাউবী থমন্নুদি মহুনিংথৌ ফৈদা য়াইবী মথবায় কনবা ওইনরোই থন্দুনা মুগা থম্মোয় শোয়বোট মাঙেন্দা কপ্পুনা লৈখ্রে, চাউ থকউ য়াশিন্রে। খোইবী সেম্ব মপু মনাইনা চাবা থকপা চঙদনা মথরায় য়াওনা ফমাংমহুনা মবুতোংতোন থম্বব্ লাই-কয়রকলে। খোইবীসু তৌকম থঙদহুনা মবুথৌ থাংজীংবু তোংনা থুরুমজরক্লে।

মপারি থম্বব্ শামু খোঙদা য়েৎ লাংলোই খোঙদা পুচুংগী শিবা মচেৎ থাক্লা লৈহৌরে য়াইবী থরায়মজি মাহুতৌথি হায়বা মুক্তামগী পাউদু তাবদা কবুই নিংথৌ শলাং মাইবদো মুংশা থীবগা লোয়নন৷ হিদাক থাউজাউ পায়রগা মুক্তামনা তোংলকপা লাঙ্গোই শগোলদু থোংহুনা লায়রশঙ পাংলকলে। ঙুমিৎ তারমদাইদা কবুই শলাং মাইবা চংলকপা

উবদা চাউবা থোংলেন্না চেম্থোক্লুনা তম্বাম্না ওকচৈ। ওন-থোইনা অমা চৈনাখোল থাওলিবা মপারি খম্ববু উৎদা কবুই শলাং মাইবদো মমিংতগী পিরাং শিম্খিবা থওখিদে। মপারিগী মাক্তা চৎশিন্নগা হিদাক লাংথক পুখোক্লুনা চৈনাখোল মাওতুনা পোত্থাবা য়ানবা হিদাক ওন এন্দুনা থাবা হৌরক্লে। অসুম্না মথরায় য়াওনা হোৎনরবা মতুংদা অনাবা চৈনাখোল থরা নেমথদুনা পোত্থারবসু হরায় মাগী তুংনকম মিরেল মাগী য়াত্তাকম মিচল কাংলম য়েংবদা কবুই শলাং মাইবদো মথরায় রাদনা ওমদে। তুইত্রি লংনা পাদম লাক্লুনা য়েংবদসু পুমচৎ চৎকদবা শম্বুম অমতং ওাইবত্তু উবদা শলাং মাইবত্তু রাথল হুবেংনরে, মত্তাও অনিনা হংবদা অশেংবা পাউথুম পীবা ঙমরে। অহোং তাংকৌ অথেংবা মীচিক মীরাওখোল তারক্লবা মতমদা কবুই শলাং মাইবনা চরৈ কিত্তাং শেৎলুনা কিমু থাউওম্নরগা তেমলাং হুক্তু পায়রগা মমোম থমনু পুরগা কেগে খোরি কৈথেন্দা মপারি নোংয়াই খম্বগী য়াইবী মথবায় মত্রা কৌশিনবা থোরক্লে।

খোরি কৈথেন্দা খম্ববু শামু খোঙদা য়েংখিবা মফমতুদা শলাং মাইনা মপুং লোন্নতুনা "চিংভু থাংজাং কোয়রেন্নাই নদাইরেম পায়মা শিলৈশোন্না পারি নোংয়াই খম্বগী য়াইবী থরায়বু থাগোনজবা মিরেল মাবু চিকোনঙবদা থোখাং পরৈনবিগসু, অশি খোংবু থিং অচত্ত পোওবু চাংবিদুনা পুন্সি মুংশাংনবা থৌনিজবা পীনবিয়ু লাইনিংথৌ" হায়না চিংভু থাংজাংবু খুরুমলে। খম্বগী য়াইবী থরায়না অহোংদা হন্দনগী মশক লৌতুনা খোরি কৈথেন্দা পাইরিবত্তু কাওিনবা কৌরকই। "পারি নোংয়াই খম্বগী থরায় মতামক মিগা থানা তরুকমক য়াইবী নওবু হামবোইকদে মিরেল নওসু হামচৎকদে লা লা নয়ুম পোনক্লং মাওত্রি থাম্বী মৈরাংতুনা পোংলোই হিথাংদরি, খম্বগী খোয়দো মরুগী ওয়াল কেমদরি, চেক্লাওম পাইখিবা পোংথম হনবাইরক্লো নচেম্না কৌবা তারো পঙ্গৌনা কৌবা খুঙ্গো লাও লাও লাও মি মি মি হয়ুম য়াত্তারসে, মিরেল মোনথাংনরসে। হয়া হে চুঃ চুঃ চুঃ মহলকদা হনজিন

মতেকমদায়সে'' হায়না খম্বগী যাইবী থরায় মশাহু কৌহুনা পুয়ক্লগা খময়না চরৈ কিজিনা কিগাউ শান্নিবা অত্থুদা সে: সে: য়ো: য়ো: কোন কোন হায়না হাপপিরগা কোনশিনহোক্ল। ইমোম ইবেম্মা নঙ-নিংথৌগী চিনবাল থেংনদ্রিমথৈ চরৈ ফিগাউহু বিশি থোকম্ম। কৈথেন্দগী লাক্লগা শলাং মাইবনা হিপ্লিগা খম্বগী ময়া কাথোকহল্লগা খমমুনা কিগাউদা য়োমহুমা পুরকলিবা যাইবী থরায় মশাহু কু: কু: কু: হায়না হাপচিল্লুনা অচিকপমা ফংদবা অশাবনা য়োদবা অহীং লিক্লা তাক্লবা ফুংথিল লিক্লা কংদবা থোইদৌ ফম্বিরেল শিদবীগী মথাঙ্গ'দা পারি ইবুংো খম্বগী থরায় মশা চঙলবমি, মিবেল মাস্থু য়াওরবনি হিরি লিশাং কোনবগুম থরায় নঙবু থাগোননা মিরেল নঙবু নাউগুমলগে থরায় নঙস্থু হেন্দোকলগস্থু মিরেল নঙস্থু হাইদোকলগস্থু ইপানা সনাগী শোক্লৈনা লোনশিল্লবনি।'' অস্থুম্না কবুই শলাং মাইবনা খম্বগী যাইবী থরায় কৌশিন্দুনা ফাজিল্লদদা অশিবগুম তুমহুনা লৈরুরবা খম্বগী মমিং অনিম্ব পাংথোকলে কোয়না লৈনা য়েংলকলে। অবাম থৌরাংবা পোকহুনা খম্বনা ঈশিং থকে হায়রকলবদা থোইবী মথুংগ্রা ঈশিং পীংকলে। থৌগংনরবা থম্মোয়না লাইজ টরিক যংবদা চাকলমবা মৈচাক মাঙ-খিহুনা চোকথরমবা পাকল হনজংলে মাঙলুবা রাথল লাকলবোই মীশক মীশা থঙলে। মপা কবুই শলাং নিংথৌ মপা থোংলেন মমান চাউদা মচেম খমম্থু, মজাইবেম্মা থোইবী উরকপদা মচিল থোক্লা কৌবদি ঙমদা মমিং অনিদা তরং লাইজ ঈহৌরকলে। মহুনি'থৌগী শিস্থরকপা পিয়াংবু উরগা খমম্থু মাদি য়েংবা ঙমদ্রবোই মপাল থোকঙগা হিক্ল' হিক্লা কপ্পুনা লৈরে। মবুঙোতোন খম্বগী মিংলুদা চেম্বরকলিব' পিরা'ম্থ থোইবীগী খুংনা তৈথোকলগা "শাবি থংলেন লোয়ুমবা! করিগী পায়মা-স্থুংদা চিংনবিরিবনে? পথো শক্লবা কবুই শলাং নিংথৌনা হিদাক থাহুনা থরায় য়াওনা লায়েংবিবদগী অনাবা চৈমাথোল মাঙলকলে, নিংশা শোর চনিং তানা হোনবা ঙমলে। চিংঙ, থাংজীং লাইবু থম্মোয়দা চেংনা থাগোয়বিরবদি অরাবা মৈচাক কোক্তুনা থোমলেন

য়াত্তাবা য়াগনি" হায়রক্লে। মুরাগী থোংলবী খুত্তুনা মবুঙোভোনগী মথোঙবু
নানবিরগা মরুক মরক্তা লূরবা লাইজ উশিংদু পীৎখংদা অরাম থৌচাংং
কোক্রুনা থম্মোয় মৈচাক মুৎতুনা খম্ব অহীং অহূদা খোমলেন ফুমথল
হনখি। খম্বনা মীরোল তারকলগা খোমলেন য়াত্তাবা য়ারকলবদা চাউবা
থোংলেন অঙনবা অনিস্সু মথরায় সুঙাইরতুনা মোংবা মমানরাইদা হনখি।
অস্তুমা শলাং মাইকনা ময়ুংদা হুন্নন সুমিং ভরামঙানি অহীং মীশেল
থাঙতুনা লায়েংবদগী খম্ব নোংম নোংমগী ফগংলক্কুনা তরা চাথোম
কানা চাবা য়ারকলে। মপারি খম্বনা তর চাবা য়ারকপা অহীংদা
খোমলেন শা'না য়াত্তাবা ফংজরবদ' কবুই শলাং চৌংশাংলোকপদো ময়ুমদ'
সুমিং হুমনিগীদমক চংখি। মতিনি শুবা সুমিংতো মপারিগী নাক্তা
লাক্কুনা অমুক লায়েংবা তৌরকই। অস্তুমা কবুই শলাং মাইবনা লোইদাম
অমা চুপ্পা খম্ববু হিদাক থাতুনা লায়েংবদা হৌগৎ কাংখৎপা ওমলে
চাবা থকপস্সু মহাও থঙনা চাজরে। মতু উবনা মাজরমবী খম্বসু,
থোইবী মথরায় সুংঙাইজরে। শলাং মাইবস্সু ময়ুমদা হনরে।

তরামাপলগুবা মতাং

থোইবীনা কবোদা লোই কুম্বা অমসুং লোই কাবা

মজাইবেম্মা থোইবীনা লায়রশঙদা কৈতুনা লোইচাম থাদ্রুম অহুম
চুপ্পা থরাই লাইকমরবদা খম্ব নাবা ফরদুনা কংলা কারক্লে। খম্ব
উবদা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্মক হরাওনরে, মপু মোইরাং নিংথৌসু
মথরায় সু ঙাইরে। খম্বনা কংলা কাবা সুমিং অসিদা নিংথৌনা লোলাই
পাবা থাতুনা মনাও ইবুঙো চিংখু নহা হেলহৈববু কংলা কাদ্রকউ সনা
য়াথং পীরবদা কংলা কারকলে, নোংবানস্সু কৈতমশঙদগী থাদোকলে।
থাদোন নিংথৌনা কংলাদগী কুমথগা ডম্পাকয়ুম হৌরগ মযোম লাংলেন

থোইবী হংবদা লৈরমচ্ৰবদা সেম্বু থাম্নগা লাইরম্ভদগী কৌইহৌরে। মুমিদাংবাইরমদা থম্বনা কংলা কুমলকপা ভায়রগা থোইবীনা মরুওইবা ওয়াথং লৌরগা সেম্বগা লোয়ননা অম্পাকময়ুমদা চংকলে খোইবী হন্নকপা উবদা মমা তরামথোইদো হন্নাওদুনা মপাম্দা থোরকলে। মাফোন্দা সনা মোম্বা হিদাকফু মাঙদাথং লুপা যাম্বা তোংডে থাবুম পান্নরগা হিদাক মৈথু শাংনা কামখোক্তুনা রাথল থৌদুনা ফমজিনবা মপাগী নাক্তা পোইবীনা চংশিন্নগা "ইপাইবুঙো! ঙসি মবু কৌশিবর কবম্বা সনা যাথং তাকপিগদবা লৈবগে" হংজবকলে। "ইপাগী ইমোম ইবেম্মা! লাংজেন মশক উদবদা ইশা লৈবা ঙমদ্রে। ইমোম নঙবু অঙোম নোংবান কাংখ্রম্বদা ইপানা লাকহুন তাউরি থৈরা কাখিবা পোইদাম থাবুম মরি ফাংজিন্নকলে। চামা চামাম্দা থুডিং ওইদুনা অঙনপে ৎম্নাম লাংলগা অফবা মুমিং থাবান য়েংদুনা ইমামবু উন্নুম অচংনবা নোংবাম্দা লুহং লগে থগল ইপানা। ইমোম পাম্ব অহানপোং সনা লুপা চৈবে ফিবোম হ য়রো ইপা লাকহলগে" তাকপিবান্ন। মপাগী মারাঙ্গু তাবদা থোইবী পায়মা মুংদা অশ উ থাম্বী মৈশা লাংবোই, অকিবা হকোইবা চুংওইনবগে। 'করি যাবানে অপোকপা! অমম্বা পোকপী মমোমবু খাংলেন পুংজা থুডিংগী য়ুন্নাক তোংনা শাগৈ তোঙান তোঙানবদা থাজিনবু নমোম্বু শংকিন্দ্রবনা? কেগে লৈবাক মীমাঙদা ইপঙ নিংথৌ অবাদি পঙ্গৌ অনিনা কাও ফাঙৈদা থুমন মঙোন্দা থাজবিথিবা কোরৌ মুনিং অচৌবগী নমোমদি পঙ্গোগী নয়াথং তাকে থম্বুনা চিংডু থাংজীং লাইবু পলেপ্পদুনা নমোমগী পুক্রিং লেপ্চগে। লাইথকচা চবী নমোমদি থুমন লাদা য়েকচরগে, নোংরাই কাদা থুংজবগে ইমং অনিম্বা ওমজরোই" হায়রকলে। মমোমগী যারাঙ্গু তাবদা রাজোন নিংথৌ শাজবনা মখিং ঙী কাওনা মশা থক থক নিক্তুনা তাংজ লিনগী মতৌওম কি কি কামলকলে। 'করি লমবেৎপৌ! মপা ঐগী চিন্নজবু পাঙ থুম্বম্ন শাই। লমবেৎপৌ নঙ অমা পোকপদগী মপা ঐনা কেগে লৈবাক মীমাঙদা ইকায়বা নংলিবা নত্রা? চৎপিখ্রো চেংলো নশক

অদু য়েংনিংদ্রে” হায়না শাউন মথৎত পায়রিবা লুপা তোম্মা তোংদৈ থাবুম অদু লংলকপদা থোইবীগী মশাদা পাক্লে। চৈনাখোল খিজিল্লং ফাবদা ম'মোল লময়াইমক্তদা থোইবী হিংখ্রে, নিংশা শোয় থিংদুনা য়াম্থশিন্নরে। থৌদোক অদু উবদা থোইবী পোকপী পলেম মমা য়েং- খুংশাংনীদো চেনশিল্লক্লুনা কুংশাংনীনা, মমোম্মু কোনখৎতুনা কৌনদা খুম্রে। মমানিংমু কুংশাখোংগা লোয়ননা চেংশিল্লক্লুনা মকোক্তা চিংশিং হৈদুনা খরাই লাইকল্লবদা থোইবী কেংখিত্রে. উতুপ তাংদম লৈখ্রে। মনাই নেমুনা মনেমুগী নাক্তা চেংশিল্লগা মথবাক্তা মমাকোং থমদুনা তাবদা মনম্মানা থোইবীদা শোয় পুরগা নাংখোংদা পিল্লা হোম্দুনা য়াম্থশিল্লবনি হক খক্তবদা মনেমুগী মখোঙ কোল্লগা চেম্মু মখোক থোক্লা কপলকখ্রে। সেন্তুগী মতৌ উবদা মমা তরামথোইমু কপকখ্রে, মপারাম্মু কুংশাখোংদক্লে। অদোক কংজুরগা সেন্তুনা মপাগী নাক্তা চেং- শিল্লগা, “ইপা ইবুঙো নমোম্না পন্তোগী চৈথং ফংবদা য়াম্থরিবসি চিংথ পান্তোংগী নাপমানখনা হিংংহকখ্রো হে সি। ইমোম্না নীং- শিবদা খুংজারে, ইমোমগী কাদা ইপা অমুক হন্না য়েংলারোই অমুক্তনি হায়দুনা” হক্রকখ্রে। মমোম শন্নবী সেন্তুগী য়ারাম্মু তাবদা মখল্লায় থাবখা চৈংখু নহা তেংথৈনদো মমোম শিংনদগী শক্রকপুদি অমুক্তো মঙ্গলম্মু চামরক হায়দুনা য়েংগে খল্লক্লে। “ইপাগী ইমোম ইবেম্ম! লাংলেন্না নপুক্লিদা নীংজরিবা অপাম্বদু খুংজারে। ইমোমগী কাদা ইপা অমুক হন্না য়েংলারোই” হায়রক্লে। মপাগী য়ারাম্মু তাবদা য়াম্থরিবা পোক্তবীদো লোংলকখ্রে। অদোক চৈরগা ইপা ইবুঙো নমোম কায়রশঙদা চংচরগে হায়না চোগংলকখ্রে। মমোমগী মতৌ উবদা চৈংখু নহা তেনহৈবা অশাঙবনা মাঙহনখিদুনা ময়া ক্রক ক্রক চিক্লুনা অক-কত্ত রাথল ফুংহৈনা মমোম য়েংলগা “করি লমকেংপী! মপা এবু উশিং থহৈদনা নমথাক চোদুনা য়াম্থশিন্নবা ঐগী ইচিক খঙহনগে। হয়েং ইচুং তানবদা লমকেংপী নঙবু শেংঙি মীরৈবাক খবো পদাংখোংদা চোই থাগে। ইতাও তুম্মরাকপদগী কাইজ মমল চোত্নমা মীনাই শক্লা

য়োম্বোকে" হায়রগা মনাও ইখুদো শাউমা ইমুংদা চঙখি। মম' ওয়ামাথোইনা খামজবস্থ য়াবিখিদে। মনাই থাদুনা তম্পাকমুংহংবা কৌরগা থোইবীবু হয়েং অমুকী হেন্দা অঙনবদা ওয়া চয়োম পুরগা শেমখি কবো তাম্না পুদুনা পাথৌ তুম্মবাকপদা শিন্নরু। মপা ঐনা লমহেনবী ইমোম মাবু কবোদা লোই থাববনি হায়দুনা মথুংনা ইবা তুম্মরাকপদা পীগদবা চেতমছু তম্পা'পমুংহঙ্গবদা' শিন্নরে। মাদোন মিংথৌগী অকনবা সনা য়াথংছু তাবদা তম্পাকমুংহঙ্গবদো হোয় মাই পাউথুম অমত্তা পীবা ওমদন' মক সুক্কনা মমুমনা হনখি।

মমোম লা'লেন থোইবাগী থকুহদা মম ওয়ামাথোইদো কপসি কপওমদা মথরায় রাবনা ওয়া চানখিদ্রে অহীং নোংশোইবা মিপক অমত্তা তুমখিদে। থোইবী সেমু মপু মনাইসু অহীং চুমা হিক্কা হিক্কা কপ্পদুনা পুকমেন পাওমেমদুনা লৈখি, তুমগনি, চাগনি কাউদ্রে। "ওথুম সেমু অচানবী! পুকচেল কক্কবা পম্বোগী ময়াথং পুদুনা লাইবক চাউবী নিঙোল ঐদি পাম্মু মগুংলাংগীদমক্তা ইপান লমদম থাদোক-তুনা শেম্বি মীলৈবাক কবো পদাংখোংদা মীনাই নাইথাং ওইবা চং-গনিদো। ঐনা শেম্বি মীলৈবাক্তা লোইদাম থাশিং কয়া লৈরুগদগে অয়েম্বা থঙবা ওমদেদো। সুংশি মত লাংগী পাম্মু মরোক থর্কদমক্তা থোইবী ঐনা কবোদা শেংপা মচেং চাবা মথাক নাইনা মীমাই ওইদুনা লৈরগা খোয়নৌ শকপী নহাক্কা ঐগী ইহুং শিন্দুনা লায়য়-শঙদা চংলগা অরা লুংতাই রারী শাদুনা নবুতোংতানগী পুকনিং ফাক্কচো। ঐনা চংলমদাই অসিদা পাম্মু মাগী অমুক্তদি উনদুনা চেক্কা চাওম চিন্দিম' পোথৌ চাওম চিল্লোকনা মুংশি পুকমেন পাও-মেমনিংথবু পম্বোগী য়াথংনা কনখিবনা উনবা ফংগখি থাজদ্রে। খোয়নৌ শকপী সেমু নহাক্কা মুজা ইহুং শিন্দুনা পাম্মু মাগী মকমদা নিঙোল ইপাউবু ওখিরুচো। "থংলেন মাজ মহাক্কা নিঙোল ইস্নুংলোংগীদমক্তা শামু খোঙদা য়েং লাদোই খোঙদা পুল শিবা মচেং থাক্কা অমা চৈনাথোল থাওখিবা অরা মৈচাক কংখিবা অহুগী লমনদি শেম্বি মীচাক

চাহুনা কবো ঈশিং থক্তুনা মীনাই শক্লা অয়াবা শরুক য়ারুগে অনংবা কোন্দায় থাঙলুগে মহুনা মুংশি লমন শিংবা শকচগে পাউদম-বিয়ুকে অচানবী ! মখেম্মগী মপুক্লিং মুংশিবা য়ারাম্ভ ভারগা সেমু থাঙবা ঙমত্রবোই হিক্লা হিক্লা কপলকলে। "ঐবু কোইবী ইবেম্মা ! ননাই ঐসু পম্মোপী য়াথং কৌবগা ইবেম্মগী হৈনা নভুং ইনজগে। বারে রামিম্নসি মুংঙাইরে মুংঙাইমিন্নসি শিরে শিগিম্নসি অমা অনা শরুক য়াখিন্নসি" হায়রকপা সেমুগী য়ারাম্ভ ভারগা, থোইবীনা "খোয়নৌ ইভা শক্লবী সেমু ! নহাক্লা ঐগী ইভুং ইন্দুনা চংলবদি নিঙোল পোকপী ইমাসে মমোম কায়না মৈচাক্লা মমু মতম চাদনা য়াইবী থরায় থারগনি অহুনা সেমু নহাক্লা নিঙোল শক্তুনা পলেম ইমাগা লৈমিন্নহৌ" খেমলকলে থোইবীনা। অসুম্না মপু মনাই অনিদো মিকপ অমত্তা তুমদবমথৈ অগৈং চুপপা কপমিন্নহুনা পুকমেন পাওমেন্নখি।

কেগে ইমুং ঙাম্লকপা মোইরাং শোরা হেল্লকপা ইনুং ভাউথুঙা চেক্লানা লোক্তাক পাংয়াইদা লেমলৈ ঙামুম্নরকপা মতমদা ভম্পাকয়ুম-হন্ত্রবদো মপুগী ভম্পাকয়ুমদা থংলরে। থোইবীনা মমা তরামাখোইগা পুকমেন পাওমেননা মনাই সেমুগা কপমিন্নরগা লমভাগী নিনি পানবা মপোক মুমিঙা মপা থুরুম্নগা কবোদা লোই কুমলক্লে। থোইবীনা মপল নিংথৌগী সনা নাক্তা চৎহুনা থুরুম্নগা, "ইপল ইবুঙো ! ইপাগী ময়াথং পুহুনা নমোমদি লোইদাম থাবুম থরদং শেম্বি পদাংখোংদা লোই কুমজলুখিগে" হায়রক্লবদা মোইরাং নিংথৌগী মপুক্লিংদা মুনোংবা পোকখি। "ইমোম ইবেম্মা' নঙবু পোকপা নপানা য়াম্নবমু ইপলগী নাক্তা লৈমু, নপাগী ময়াথং ইমচু ইপলমা ঙাঙংগনি য়াঙগা ইংলনা নিংথৌনি, নপাবুংবু কেগে লৈবাক্তগী ভাম্বোকে" হায়রকলে। "ইপল ইবুঙো ! ইপাগী ময়াথং পুরগা নমোম্না লোইদাম থাবুম থরদং শেম্বি কবো মীলৈবাক্তা শাইদাংহুনা লৈরুগে লেপচরে নমোমগী পুক্লিংদা। হল্লক নমোম্না নীংজরিবা অসিদদি থংহনবিয়ু।" অসি হায়হুনা লৌশিং চাউবী থোইবীনা মপল নিংথৌ অমদি মমহাল মতাবু থুরুম্নগা ভম্পাকয়ুম

হৃজ্ঞবগী মাঙ থারক্লুনা শেম্বি কবো পাংলক্লে। লৈমকোম্না পোকচবী নিংথৌ কোন্দা চাউরবী অমত্তা পোকপী থাদোই মজাইবেম্মা থোইবীনা পাম্মু মত্তংলাংগীদমক্তা মুংশি কায়না মৈচাক্‌ থম্মোয়মুংদাক্কুম, পাকম পম্বৌ শেংনবগী অয়াবনা পান্দা চাক মুরাগী হিংলু নাংপোমদা তরংগী লাইজ ঈহৌনা মপাম মোইবাং লমদম তুংগইনা শেম্বি কবো মাঙ-ওইমরক্লে। মুংঙাই য়াইফ কোম্না চাউবী অরা অনা মশক খঙ-লক্রুবী লৈরাংগুম থেংং নৌরবী মুরাগী পারবা থুয়ানা মালেম মুজাই চেগাই মথক্তা চংপদা চৈনাথোল ফংলকপা লমশাং চংপদা রাবনা হুমাং ঈরিক কারকপা পুম্বা রারবম্ম রায় হায়প্রবোই, নারবম্ম নাই শোনপ্রবোই থন্নুনা পুকচেল লেপপ্রবী থোইবীনি। মজাইবেম্মা থোইবীনা মাঙদথা তম্পাকয়ুমহজবনা তুংদা থোগংগী মংদা মপু ১নাই অনিনা লেপ্তুমা লাকপনা কৌজেংপুং, পুকশ্রিপুং, হয়থোং, লাইমৈতা লাইখুরেম্বী তুং-ওইননা থনম্লগা খুনদিনবী লান্নুনা ওকচিনথোং য়োরে ওকচিনথোংনা য়েম্বা অউন কৈথেলনা ওইদা থনমলগা কেগে কংলা য়োরে, যণজেনথোং লাক্লে। লৈকোয়বুং য়েংওইনা, পিশুম এই ওইননা লাকপনা চিংমু খানা চাউবা লাইবু অমুক মাঙওইনরক্লে। খানা চাউবা লাই য়েংওইনা খুমন পোকপবু ওই-ওইননা লাকপনা খোরি কাবা য়োরক্লে। খোরি কাবা তুংওইননা, লৈচেংপোকপী থেংনাহুগা চিংঙা নিংথৌ ভোনবপুং ওই-ওইননা নিংথৌ ওকপাপুংনা য়েংওইননা লাকপনা অয়াং লৈমা পান্থোইবী, মহু থোংনাং লৈমা মবেম্পৌ অনিগী লাইমাঙ য়োরকপদা মঙ মপু থুরুমজে। মহুদগী থয়া চংলগা চিংঙ নোংশাবা খোরি কৈথেল য়েংওইননা লাকলগা মবুথৌ থাংজৌংগী লাইকোল চঙকবলে। মবুথৌ থাংজৌং লাইমাঙদা খুরু খুদক কুম্নুনা চিংঙ মঙনা বুবিমু খোয়ুম নঙনা নোংদমবিমু অপাম কাদা য়োজগে, হুংশি কাদা থংজগে লৈপুল খয়োম শেম্বিমু হায়না মুরাগী মিংম্না থখালদা তরং লাইজ ঈরা হৌনা চিংঙ খুয়া থাদা থোইবী হিক্না হিক্না কপ্পুনা থুরুমজে। মবুথৌ থুরুমলগা থোইবীনা চংকদবগী লাইশঙগী মাঙওইননা তারিবা থৌহু

সুংপাকী মনাক্তা চঙশিল্লকপহু উবদা ভম্প্যাকয়ুমহঞবনা চেকশিল্লক্লা "মজাইবেম্মা! মাঙদা তারিবা থৌত্থ সুংপাক অসি থোঙনা থুংনা শোকহৈদে, চিংঙ্ লাইগী থুভমনি লাপ্না হন্দোকলগা থুরুমজৌ" হায়রক্লবদা থোইবীনা লাপ্না থুরুমজে। লাই থুরুম্বা লোইরগা থোরকপদা লম্বীদা থোইবীনা "ইপু ভম্প্যাকয়ুমহঞনা! চিংঙ্ লাইগী থুডমনি তাকপিখিবা থৌত্থ সুংপাক অহুবু লমলেন কৈদগী পুরকপনো খঙলবদি নঙদ তাকপিয়ু" হায়জরক্লে। য়াংদো লম্বী থেম্নবা লমশাং চংপা রাদনবা চংনা চংনা ইপূ রারী লীগে পুক্লিং চঙনা তাবিয়ু" হঙ্গংলকলে ভম্প্যাকয়ুমহঞবনা।

অহুডৈ কুমজা কয়াগী মমাঙদা শেলোই লংমাই নাপাক্তা থুন্দারম্বা চকপা থুঙ্গং তম্রাহু থুল কায়ডনা থুল হোংনরকপনা মমৈথংদা কৈসাক্লা লৈতানপোকপীদা চাইরেন নিংথৌ ওইডুনা লৈমা তাইদুংমু পাম্নরগা তোংহন অমদি নশাং কৌবা মপারি অনি পোক্লা লৈখি। লমলেন চিংঙ্থেম্দনা চাইবনা চকপা নিংথৌ ওইনা মতম থরা পাম্নমলগা লমলেন হৈয়াইপোকপীদা লৌনা মকম শেমডুনা থুন্দা লৈতাখি। মভিক মথৌনা লৈবা নিংথৌ অনিসি লুরাং শাগেগী মচিল মনাওনি। চকপা নিংথৌ চাইবনা লৈমা শেম্রিংমু পাম্নডুনা মেনাংবা অমদি কনাংবা কৌবা মপারি অনি পোকই। মপারি অনি অসিনা মপালল শরেপ ফারক্লবদা শেম্বি কবোদা লান্দাডুনা কবোবু মায়থীবা পীরগা মশক মতৌ ফজবী কবো চমু শিরিকমু কাহুদা পুরকই। ময়াম্বা মেনাংবনা শিরিকমুবু তালোয় শিংদা চন্দুনা চকপগী নিংথৌ ওইখি। মেনাংবনা য়াইফুরাকপা অমনি য়াওস্লুলাকপা কৌবা মপারি অনি পোকই। য়াইফুরাকপনা নিংথৌ ওই। চকপা নিংথৌ য়াইফুরাকপনা লোকথা নিংথৌ চমু থোইমু লৌডুনা চকপা লৈমা হাপখি। মপালল মথৌনা লৈরবা মশানৌ ইবুঙো য়াওস্লুলাকপসু ময়াম্বগা পুকচেল থোয়ডেল তিন্নমা সুংশিননা থুংকন পাললনা পানমিন্নখি। মতম অসিদা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা অরাং অপা লৈতনা মনীং মথা তম্না পানখিবা

পুরিংলাই ঙাংনিংশিংগা পাথৌ মকপ শান্নখি। নোংমা চকপা নিংথৌ য়াইফুরাকপনা মোইরাং নিংথৌ ঙাংনিংশিংগা নিংথৌ অনিসিনা লম্লেন তোরবুং লমজাউদা য়াঙরৌ শাদানবদা থেংঙহনা মচা মচ পীংসি ঙাইশেল ওইনসি মকপ মপাং ওইনা কায়নগদুসি হায়না য়ারেপ্পদুনা শরি পল্লোল লোয়্নখি। নি জনিনা শরি য়াশরুবা মতমসি মরিংতা মচা অমতা উনদ্রি। ওন্নকপা চহীদা চকপা নিংথৌ য়াইফুলাকপা মমোম অমা কংজরে। মমোম পোকপা অহৌং অতুদা চকপা নিংথৌগী খোম্লেন মঙম্না মঙলানচান্দা লাইবেল্বী অমা লাক্ত্না হন্নক শাংদিব নমোম অসে অচম্বা নত্তে শরেল শা পীজগম্ম চবৈ ফিমল শেংহনগম্ম তম্না চাকমাং পীজগম্মু মঙকাওনবিখি। হৈয়াই লিশুম ঙাঙনা ফকৈ হায়দুনা মমোমগী কোলোয় মিংলেনবু হৈয়াইম্মু মিংথোল্লে। দুমিং অসিদা চকপা নিংথৌনা হৈরাং নিংখিবা তাউজিং অহেনবা লুথোং পুনা মনাই মশল থাদুনা মতাও কেগে নিংথৌ ঙাংনিংশিংদা মমোম লাংলেন শাংপগী ফুংঙাইবা পাউ পীরম্মী। পাউ অসি তাবদা কেগে মোইরাং নিংথৌদি মতাংঙনা থারকপা তাউজিং খোইঙ্কুবা হৈরাংবু মোইরাং নিংথৌনা মপানৌ য়াইলৈমগা পায়মা খোয়জংনা হৈঙংমিন্নখি। মপারি পোক্তবগী অরাবা মৈচাক্লা থম্মোয় ওমচাক্করবা নিংথৌদো চাবা থকপা চঙখিদ্রে।

কেগে নিংথৌ ঙাংনিংশিংনা মপারি শাংহবগী অরা মৈচাক্লা শঙলেম্বা খোমলেন য়াতাবা য়াদনা পায়মা মাথল মুংবা নিংবু অমংদা খোদাবা অচানবদা য়ায়েনবা চিঙ্ খাংজীং লাইনাউবিরদুনা নিংথৌগী খোমলেন মঙলানচান্দা খোঙ্ লুংপাকথক্তা অঙাং নাউরা অমনা হংঙা হংঙা মীপকনদুনা লৈরিবদু উহল্লে। মহাক্না মীকপ খোয়রুবা ফাওবদম্ম নাউরাগী মীকপ মীয়াওখোলদু মনাকোংদা অদুম তাদুনা লৈরে। অয়েপ্পা লৈত্তবা নাউরাগী মীকপখোল অদু তাবদা নিংথৌদো ঙকপদা থেংলে। খোমলেন য়াতাবা য়াদদুনা হৌগংলরুপা থাম্মী মৈরা পায়দুনা খোংজি নাতৈ কাংলগা মনাই মশল ফনা অমতা থঙহম্মনা লোয়া

থরাই থোঙাল ডম্না থোঙশান্নরক্রে। মপু শগুলেন ম্নংদদি নাউরাগী মীকপথোল অত্থ থরাই থোঙাল রাংমদা গুইনা তারম্মী। চংল চংলগা নাউরাগী মীকপথোল অত্থ অস্নুম অস্নুম লাপথোকখিবগুম তৌরে। নিংথৌ মাম্নু অহনবা লৈতনা অকিবা থওদনা অচৌং তাংলৌ অথেওবা মীচিক মীরাওথোল তাখিদ্রবা মতমসিদা থাংজীং লাইকোল য়ৌশিল-লক্লে। থাংজীং লাইমাংদা থৌদ্রু ম্নংপাকথক্তা অমম্বু কোকহনবা থাম্বী হৈবুলগী মতৌগুম মঙাল নাইনা ফজেরবা নাউরা অমা ফম্নগা কপলিবত্রু উবদা অকি অপন্ড লৈত্রবা নিংথৌদা চেনশিনখিদুনা ম্নংশিন অঙাং অত্থ কোনথংলুবে। নিংথৌনা মশা হেক শোকপদা অত্থক হৌনা কপলম্বা অঙাংদো কপপা কোক্রুনা নিংথৌদা হেংলগা হিক হিক নোকই। অহৌংগী অমম্বু কোকহল্লি হায়নগী নাউরাগী কোলোয় মিংলেনবু হায়রকৌ খোম্বা মিংথোলদে থুদক্তদা নিদৌনা। চেংলৌ হেম্না নীংথিজরবা থাম্বী থৈরিগুম মঙাল নাইনা ফজরবা মপারি অত্থ অচম্বা নত্তে চিংজু লাংওলনি থল্লহুনা মথরায় ম্নংঙাইরবা নিংথৌদো মথাদা চেংনা কোল্লগা সনা শগুলেন তাম্না চেল্লকলে। মনাই তানরৈবা কৌশিল্লগা কংলা পুংজাউ থৈদ্রুনা কেগে লৈবাক্তী অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্নমক কৌথংলু হায়নৌ সনা মাথং পীরকলে। কংলাগী পুংথোল তান্দা লৈবাক্তী অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্নমক কংলা তাম্না চেনথংনরক্লে। চিংজু থাংজীং লাইনা কুবিহুনা মপারি অমা কংনগী পাউবু তাবদা অঙম অথৌ পুম্নমক মথরায় ম্নংঙাইহুনা নিংথৌ থুরুম্বা চঙনরক্লে। চেংলৌ হেম্না নিংথিজরবা মপারিদু উবদা তিল্লিবা অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনা "চেনদ থাংলৌ-কোইবা" নৌনা অমুক মিংথোল্লে। মতাও যোইরাং নিংথৌগী মপারি অমা কংবগী পাউদু তাবদা চকপা নিংথৌগা হয়াওহুনা মনাই মশংগা লোয়মনা অথেনপোং পুদুনা কেগে নিংথৌ উনবা লাকই। পাথৌ পাথৌ কৌনম্নিবা মরূপচা অনিদো তম্না চাকলেন চামিম্নয়ে, তাউজিং হৈথ্রম্বা হৈম্নাং হৈতংমিম্না হয়াও ম্নংঙাই রারী শাহুনা হৌথিবা থৌদোক কম্না নীংশিংনখি।

অসুম্বা নোংমা নোংমগী হৌখিবনা লোইদাম থাবুম ফারবলে, চহী কুমজা ওন্নকলে লাইহ কুমওন কয়া হৌখ্রে। চকপা নিংথৌ মমোমলোই মুরা হৈয়াইজম্ব লশাবী কাংদোং কাহ্নুনা থাজ য়োনজ্জ ম্নাবক্রে। কেগে নিংথৌ মপারি ভানবা থাংলৌকোইবম্ব পাখং শরেপ কাহ্নুনা মনাই মশনগা লোয়ননা লাংলোই শগোল তোংহুনা লমলেন তোরবুং লমজাউদা য়াওরৌ শাদানবা চংলকলে। মপারি মমোম অনিনা শাম্বা পাজল চাউরকপা মসুং মরৈ কারকপা উবদা মপা নিংথৌ অনিদো হয়াওবগী ভমথৈ লৈখিত্রে মুণ্ডাইবগী মপান নাইখিদে। মতম অসিদা লায়রবী পলেমগী মমোম মুরা চংলৌ শকহেনবী শংলৌলেম্বীগী খোমলেন মঙম্বা মঙলানচান্দ কেগে নিংথৌ মপারি ভানবা থেংলৌকোইববু উজবদা মুরাগী পুক্নি থাম্দারুরবোই চিংজু থাংজৈ লাইদা লাপনা হৈবা লৈরাং কংহুনা পাখং মাগা মুংশি মিংচাম্নজগে ইমুংশি ম্নারী শানজগে মুরাগী পুক্নিং লপ্পুনা নৈংজরকপহ চিংজু মান উবি-রবোই খোয়ুম নোংদমবিরক্রে। চোংমা ভানবা থাংলৌকোইবনা লাংলোই শগোল তোংহুনা য়াওরৌ শাদানবা লাকপদা য়াংদৌ লম্বীদা ম্নাওরৌ শজি অমা থেংনহুনা শজিগী রাইরা শজুং ইন্দুনা তাম্নরক্রে। মুমিং অসিদা শংলৌলেম্বীনা তরা চয়োম পুংগা খিকলোই থন্দুনা কোরৌ মৈশা থাহুনা ইল চিংহুনা লেমলৈ ভারন ভাক্লি।

চিংজু মানা তমজবা খোয়ুম মাগী থৌশিল্বু নম্বু ভাবং কনানা থজবা ভমগনি। য়াওরৌ শাজুং ইন্দুনা তাম্নরখিবা কেগে নিংথৌ মপারি ভানবা থাংলৌকোইববু উন্দ খোমলেন মঙলানচান্দা উখিবা পাখংহুনি থজলহুনা মুরা ইবেম্মা শংলৌলেম্বীদো হয়াওবগী ভমথৈ লৈখিত্রে। থুরুপ হৌনা চেনলিবা থুজি থানা থোরকলিবা লাংলোই শগোলগী শামাজদা অকি অথুং লৈহনা কেপ্পুনা মুরা শজেং পাহোম তিংথোক্লুনা পাখং মাবু থামজখি। চোংলৌ শক্না শবহেনবী মুরা মিংতা মুংশিবী চমু শংলৌলেবী উবদা পাখং ভানবা থাংলৌকোইবম্ব লাংলোই শগোল থামলগা মুরাগী নাক্তা চঙশিন্নুক্লুনা চিংজু খোয়ুম

লাইরা নমু তাইবঙ মীয়া হংলকলে। খোমলেন মঙলানচান্দা উখিবা পাখং চেংলৌ সুংশিবা শঙ্কমহু সুরাগী মাঙদা লেপ্পরবদা ইকাইখৌবী সুজাদো সুংশি মীনোক্না হয়াও যোমোন য়াকাতম পাখং মাপা মিংচাম্লনা য়েংহুনা লৈরে। সুরাগী মতৌ উবদা পাখং ওইবা মহাকসু ঙকপদা খেংখে, য়াওরৌ শাক্তং ইময়কপনি কাউখে। লাঙ্গোই শয়াংখম্বগী কুমখরগা সুরাগী নাক্লা চঙশিন্নঙ্না সুরাগী কোজোয় হংজক্লে। সুরা খম্বাল মানবী ইবেম্মাদো ইকায় ইকি তুংওইনা সুজা মানা পাখং মাবু খোমলেন মঙলানচাম্বা উজবা হৌখিবা খৌদোক্লু পাখং মাগী মকোদা চিংখদনা তমলকলে। সুরাগী মপাউ তাবদা সুংশি শঙম উবদা কেগে নিংথৌ মপারি ডানবা খাংলৌকোইবসু পাখং পুক্লিং খোইদাক্লরবোই সুরাগী থুজেং পাময়গা জমা পামেল উথাদা ফমমিন্নহুনা মাজং ঈচিক খেমনা অপাম সুংশি য়ামী শাবা হৌয়রক্লে। সুরানা পুরকপা তরা চয়োম অহু থোক্লুনা শাবি শানৌ জানিনা চামিন্নরগা কোয়ৌনা য়াংলিউ মালেপ নৈমনা মমশিন্নক্লিউদা মন্নানয়াইদা হন্নখি।

কেগে ডানবা খাংলৌকোইবনা মনাই মশক কনা খঙহন্দনা লোয়া য়াওরৌ শানানবা চংতুনা সুরা শংলৌলেম্বগা হৈয়াং লোনচংনবা তাউজিং পানহাইনবগী পাউসি মনাইগী মচিন্নগী তাবদা মোইয়াং নিংথৌ মখরায় য়ারে। মপারি মমোম পীগনি ডাই শেল ওইনসি হায়না মতাও চকপা নিংথৌনা শরি পম্বোল লোয়খিবহু খাঙথক্ল শরি য়াশক কায়রগদ্রা চিংনরক্লে। নোংমা নিংথৌনা মপাবি ডানবদু কৌশিন্নগা "পারি ইবুঙো সুংশিব। ইপানা নপা চকপা নিংথৌগী গমোম লাংলেন হৈয়াইহুগা তাউখিং হৈজিং কাহুনা হৈয়াং সুখোং পুহুনা পারি নঙগা মরান সুহোং খোংদোংনসি ডাইশেল ওইনসি হায়না ইপাগা শরি য়াশক পম্বোল লোয়খিবা লৈবনি। হয়েং ইমুং ডানবগা পারি ইবুঙো নহাক্না শামান লেংমান্নবা মকপচা পুরগা নপা চকপা নিংথৌ য়াই-ফুরাকপগী মরামমাইদা খুনানজুচো সনা য়াখং পীয়ক্লে।" মপাগী য়াখং কংবদা ডানবা খাংলৌকোইবনা পাখৌ মক্লাপচা পুরগা লাঙ্গোই শগোল

তোংহ্না চকপা নিংথৌগী মরাননাইদা থুংলাল্লুনা থংলরে। মতাও মৈতৈলোন্ নিংথৌগী মপারি ঙানবা থাংলোকোইবা লাকই পাউরু তাবদা চকপা নিংথৌনা মনাই মুশল থারক্লুনা মপারিবু হয়াও ঙায়াম্না একহৎপা মরানয়াইদা পুশিল্লকলে। মযোম লাংলেন নুংশিবী হৈয়াইপুং কৌথোক্লগা মুয়া পাথং শকথরনহল্লে। মুয়া চেংলৌ শকহৈনবী হৈয়াই লিগুম ভঙাংবী হৈয়াইমু উবদা নুংশি মপাউথোল তাবদা পাথং ঙানবা থাংলোকোইবসু নুংশি পায়মা মুংহৌললে। চিংঙুমা ঙমখিবা লৈপুলি থোয়ুমনা য়োমখিবা থয়োমনি মুয়া পাথং অনিদো কিংখম চোংবা ঙমদে। পাথং মখু উবদা মুয়া ওইবী মাদি নুংশি পায়মা মুংওলনা অশাম মানা লমজিংনা থোয়ুম মাগী মকমদা লৈপুল থয়োম লৈমিংবু নিজরকলে মুয়াগী পায়না উংগোইমুংদা। মুয়া হৈয়াইমুনা মশাকি মমানচাগীদমক্তা তয় মথেল লাংহ্না তাউজিং হৈয়াং হৈথংনা পুথোক্লনা হয়াও হয়াও চাখিয়রে। অহৌং অম্ব লেল্লগা কেগে ঙানবা থাংলোকোইবদি তয়া চাকতন চাহ্না মপা চকপা নিংথৌগী ময়াথং লৌয়গা মমুম মৈতৈলোন্ পাংলক্লে। মুয়া ইবেম্মা হৈয়াইমুদি মশাকিনা চংশিং মায়কৈদা নুংশিনা য়েংহ্না লৈহৌই।

মপারি ঙানবগী য়ায়া সপাউ তালদা কেগে নিংথৌ হয়াওরে। মতাও চকপা নিংথৌগা উয়হনা অকবা মুহিং থবান লেপ্লগা নুয়া হৈয়াইন্ময়ান নুংহোং থোংদোংলগা অউন পোংয়ামগ লোয়নলা মমুম মৈতৈলোন্দা থীনকলে। ঙানবা হৈয়াইন্ শাখি শালৌ অমিনা পায়মা পুক্রিং থোইদানা অশাম নুংশি পুকচিন্নবা লৈমিন্নরকপা চহী কুমজা কাক্রিতৈ লাংহৈ কুম ওনক্রিতৈদা নোংমা ঙানবগী থোমলেন মঙলানচান্দা শংলৌলেন্নবীনা থুদাং শিকমহ্না পাথং মাবু ঙাইবদ উয়বদা পাথং পুকচেল ওনখ্রে। মশানৌ তালোয় নুংশিবী হৈয়াইন্ থহৈলনা ঙানবনা লালোই শগোল তোংহ্না য়াওয়ৌ শাদানবা চংদবা শংলৌলেন্নবীগা উয়হনা হৈয়াং লোনচংনা তাউজিং লোনহাইদবা অয়োনবা পাউসে মনাইগী মচিন্দগী তাবদা হৈয়াইন্গী থম্মোয় শোকহনবোই,

ঙরা চাবা থোয়জংখিদ্রে, থোমলেন য়াতাবা য়া খিদ্রে। পামেল উশা অমদা লমগী চেক্লা অনি কায়দাংমিন্নবা লৈরাং লৈথোক অমদা লৈচু তিন্নদবা শিঙেল অনি শাংনিন্নবা, লে কচপ লোকচুং অমদা পামব কৈরেল অনি যাত্তামিন্নবজুম হৈরাইদু পুকচেল কাবা ঙমলক্তে। কেগে খুন্নবা য়াওরে শাদানবা চংশিনবদু পামজাদ কেগে ঐথোয়গী উদুংলেন লমলেন তোরবুং লমজাউদা শাদানবিমু হায়না মশাবি ঙানবগী নকমদা নুবা মনা থম্মায় পোক্লা হন্না হন্ন চায়জবদু ঙানবগী নামদা হাপ-খিদ্রে থওই রাওইনা তাখিদ্রে। মশাবিগী পুকচেল ওন্নকপা হিদেন চোংনা তাবা খানা লমলান চারকপা শাঙ্গুন্তু উবদা লাইরকচাউবী ইবেম্মা থাওব ঙম্মক্রবোই মনাই থাজন অপোকপী পলেম মমা কৌবগা রাকংলক্লে। "পলেম ইমা ইবেম্মা! অমত্তা পোকপী নমোমবু কদিগী কেগে লৈকোইবুংদা থাজদুনা থাম্বী মৈনুংদা কাংশিনখিরিবনো? কখি থকী লেমলৈশেম নমোম লাইবকচাউবীনা অন্না মৈশা লাংদুনা পুক্সি লেনগদবগী শকপুদি পলেম হৈনা নতুং ইন্নগে" হায়না হিক্কা হিক্কা কপলকলে। অমত্তা পোকপী মমোমগী অন্না মৈচাক্তু উবদা মমা ওইবী মচাক্তি কয়য়া থাজনা ঙমগনি। পুক্নিং রাদি অরোনব ইমোম নহনা য়ানিংদবা কন্নি য়ান্নাবু লৈবগে হায়না মমানা চেংহা থকুনা হংলকখিবদা মশাবি মমানচানা ঙন্না নাক্ত, চতলক্লবা নুংশি থোমলেন য়াতানিন্নদবা কোরৌ শিংবুম য়ামলক্লে। হায়না ইকায় ইকি রাংমা লান্না মমাগী মকমদা ফোংদোক্লে। মমোমগী পুকচেল কাগে থদ্দুনা 'ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা! ইমাগী হৈনা ইতুং ইন্দুনা নপাম লমদা থোজনাবা নত্তু মুমদা কুমলবদি কেগে লৈবাক্লা খিনা ঙাঙনগনি। নকু নিংথৌগী তাংজ মান্ন য়েংদুনা লোইদাম থাবুম থন্নদংদি কেগে মোইরাং লৈবাক্লা য়াং-গোইবো। নপাগা নকু নিংথৌগা উনহন্দুনা নশাবি নমানমচাগী ওঙ্-শীংদা লমচংপু রাকক রাত্তেনহনসি হায়রক্লে। অম্মুম: মমোমবু পুকমেন পাওমেন্নয়ন্নপা পলেম মমা অপোকপীগো রাখল পোংলুব পুদুনা মথাক নুংঙাইতনা মরানরাইদা হনখি। মমোমগী পুক্নিং থোয়রাং

খোয়শাউরা য়াম্না মপাভবু মপারি চকপা নিংথৌদা তন্দা নিংথৌ মাস্থু থম্মোয় শোক্লা মুংঙাইখিদে। মতম চাবা য়েংলগা পাথৌ মোইরাং নিংথৌগা উম্রতুনা মপারি ঙানশা থাংলোকোইববু রারক রাত্তেমহনগে, কবিগুম্বা য়াদবা মতাং খোক্লগা অমতা পোকপী মমোম্থ মাঙ থানা পুরক্ক নিংথৌগী মপুক্লিংদা চপ যুংনা লেপখ্রে। পন্থেম মমানা হনখ্রবদা হৈয়াইন্দি তবা চাবা খোয়জংদা রাথল পোকেপকম হুদনা চিক্লা চিক্লা কপ্তুনা লৈরে। অহাং তাংলৌ রায়শিল্লকপা মশাবি মমানমচাস্থ চল্লক্লা অরাবনা মুংদা ফুম কল্লক থম্বল মৈনা শমচাক্লা মুরা লাইবক-চাউবীদো থম্মোয় পুবা ঙমকক্রুবোই অফ ফত্ত দাখুস দুংওইনা থমমুং শাম্না তাল অমল য়াইথোং কুমকগে থক্লতুনা চিঙোল মখুৎস্থ থাঙনা ঈমু কিরাক শায়তুনা নুংদা মদোম য়াইবী মাঙক্লরে।

অহাং অতুমক্তদা চকপা নিংথৌগী খোমাজন মহুজানচন্দা মমাম্থ থম্মোয় শোক্লা তেংথাবতু উবদা খোমলেন য়াতাদা রাদতুনা চিকপ খোক্লে। ইনুংহেক ঙানবগা পন্থেম মমাদ মমোমগী নংঙা চংলুচা থৌদাতুনা মনাই মশলগা লোয়ননা কেগে মোইরাং কৈবাক পাংলক্লে। মনোমগী নাক য়েঁবদা মমোম লাংলেন হৈবেম্বা হৈয়াইন্দি চংবী লফুলা মোনথাংনতুনা নিংঙাইবা কৈতনা য়াঙাখিদলা পন্থেম মমা লাকপদা কৌখিখ্রে। য়াইবী মথরায় য়াঙত্ত্রবা মমোমগী শম্বু হবচাং পোচোং ক্রোল্লগা পন্থেম মমা ওইবীনা কোরৌনোংলেন খোংহতম কপলবলে। পাউ অসি তাবদা চকপা নিংথৌ চেক্লক্লে, কেগ মীয়ামস্থ তিল্লবলে। অমত্তা পোকপী মমোম্না থাংগুথক্লা য়াইবী থরায় মাঙলিবতু উবদা নুংঙাইতবা মৈচাক নুংদাফুম অরাবা মায়থোং পুরগা চকপা নিংথৌ য়াইফুরাকপা কপ্না কপ্না মরানয়াইদা হুনলক্লে। মমোম মাগী থললুবদা পন্থেম পম্থৌ অনিদো তরা চাগনি কাউখ্রে, খোমলেন য়াতাগনি নীং-খিখ্রে। মরাম্বা নিংথৌ য়াইফুরাকপগী অরারা মতৌতু উবদা মনাও ইবুঙো য়াওস্থরাকপতু তুমিন্না থাঙতুনা লৈথোকপা ঙমখিদে। মমোম হৈয়াইন্না থাংগুথক্লা য়াইবী মাঙখিবগী মৈচাক্লা মখুৎস্থ তিমেন তাবু

পায়রগা কেগে মোইরাং পাংলক্লে। য়াওসুলাকপা অথৌবদো অশাউবনা মাওওইনবিদুনা চাগনি থকনি থম্না কেগে ওন্নৈ ঙাংকৌবে ইংগী মায় খোঙ্গুল লৈরক্লে। মুমিৎ অসি কেগে ওনবদা মনাই মশক য়ম্মা অমত্তা লোয়নদনা য়াওরৌ শাদানবা চৎখিবগী অয়োনবা পাউসে তাবগা য়াওসুলাকপসু ওনবগী খোঙ্গুল লৈরক্লে। ওনবা থাংলৌকোইবনা মশানৌ শংলৌলেম্বীগা তলা পামেল উক্রবদা মাকং ঈচিক খেমদুনা মহাকথক্কী দমক্তা মোমস্ত তালোয় হৈয়াইদুনা মদোম য়াইবী মাওখিবা অরা পাউবু তমদুনা য়ারা পাওমেয়রিবৈদা য়াওসুলাকপা থুংলরে। মমাক ওনববু উবদা য়াওসুলাকপা অথৌবদো অশাউবনা লমজিং ওই তিল্লাং হাইশিল্লগা কেগে লমকেৎপা য়াওরৌ শায়মচৎ মাওওইনবা থুংসু তিমেন তা পায়থংলু য়াইবী নথরায় কনবা তমত্রা য়েংজো ইমোম হৈয়াইস্নগী মংশক তানবা লাকপনি তিমেন তা চাইনসি খোয়মা ইমায় লৈনমুসি য়ামজেম ইনম মুক্রুসি হায়না হয়েন লানলাও লাউ-রমলগা তা খোশাদুনা ওনবা ওম্মা ফুজিল্লক্লে। মকু মমাক অনিদো থুংসু তিমেন তা পায়নদুনা হন্নবা লৈতনা পোথাদনা কোরৌ চুপপা সাঙ্গেংনবদা মরৈথংদা য়াওসুলাকপনা লাকচদুনা কেগে নিংথৌ মপাবি ওনবগী য়াইবী থরায় লৌরগা হোই লাউদুনা চকপা মরানয়াই পাংথি। চংবী লফু মতুপকুম মালেম থক্তা লোংনা তানা থবাক ঈরমফাং ঈমু ফিরাক থায়না য়াইবী মথরায় মাওলবা মশাবি মমানমচাবু কোকওগা চুরা শংলৌলেম্বী নোং খোংবওম কপজকলে। 'শাবি থংজেন লোয়্মুখা চুংশি মীচাপোক্তি পাম্মুবা! নুরা ইস্নুং লাংগীদমক্তা থাংজু থক্তা য়াইবী থরায় মাংলেদো। নুংশি মস্নুংলাংগীদমক্তা নুবা ওইবী ঐহাকসু পাম্মু হৈনা নতুং ইশ্বরকে ননাওবু তায়বিরমখোকো নুংশিবা।" অসি হায়দুনা কপ্পমথৈ কপলুরগা হায়কম তৌকম থওদদুনা লাইবকচাইবী নুরা মাম্ব মশাবিগী নাকন্দা য়াংলিবা থুংসু থাওচ্ছ শংলপা ঈমু ফিরাক থায়না নুরা মদোম য়াইবী থাওরে অপাম নুংশি রায়থুংজসি রায়েপনবা শাবি শানৌ অনিগী য়াইবী থরায়না চেক্লাচা ওম্মুনা কোরৌ থকত্তা

পাইমিন্নবি। ভুম্পাকয়ুমহন্ননা লীবা রারীচ তানা তানা মপু মনাইনা লাকপনা হলনরিল খোং লাম্নগা সনা চেংচায়পুং য়েংওইননা শয়োই পুংনা ওই-ওইননা লাক্লুনা থোং জহনবী লাকলে। থুবাইনা থুনক্ষ্ম-লেন, চোংলৈবা রাইক্লুত্তা নিংথৌ মপু থিবা কাইকোইমুং য়ৌরকপদা ভুম্পাকয়ুমহন্নবনা মঙ্গাইবেম্মদা মলম লমকেন অসি নিংথৌ মপু দিবগী মযোমলোই শোবোন য়াইরেন চন্থ শানৌ মচিল মনাওগী খুভমনি তাকপিরে। থোইবীনা "ইপু! শোবোন য়াইরেন চন্থ শানৌ মচিল মনাওনা থালৈ লৌয়ানবগী রারীচ নত্তদা লীবিয়ু" হায়রক্লবদা ভুম্পাকময়ুমহন্নবনা লীরকই। মপাগী য়াথং মত্তুংইন্না শোবোন য়াইরেন চন্থ শানৌ মচিল মনাওনা তরা চহোম পূরগা মপাগী থালৈ লৌদা থুাংচেং মচি-লাং য়োংলেন মথুংতা পায়দুনা অয়ুক্কী য়েন্দা অত্তনবদগী তেম্পাক লৈতুম কাংলিত্তেদ য়োইমযাই তাউদল অত্তানবনা লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা নোংপোক মায়কৈদগী তাইবং মালেম থুংনা কোয়ৌ মতোল য়েক্কপ চিংগু শিন্না পাংথোকপা লাকপদা শানৌ মচিল মনাওনা হমাং ঈরিক কাদুনা অয়া শোয় পাবোং লোন পোথাবা লৈতনা নুরা শিঙ্গু পাংনিবহু উবনা য়োইমযাই তাউদল অত্তানবনা করেম্নদুনা হায়রবই। "শানৌ থম্বাল মানবী অনিমক! নুরা মচিল মনাওদা পাথাং অয়া চনগে। ঐগী পাথোং অসি কোংবা তমলবদি নিত্তোকনা পাম্বা পোং-শকতু পীবিগে।" চিংগু মপাই তাবদা শানৌ মচিল মনাওনা য়োংকৈ কাংবা তোকুনা পাথোং চনশিয়ো কোংজয়গে থুমলকলে। তসি অয়ুক অত্তনবদগী শানৌ মচিল মনাওনা য়োংলেন মথুংতা পায়দুনা তেম্পাক লৈতুম কাংবসে লৈতুম কয়া তরবগে হংবিয়ক্লে। য়োইমযাই তাউদল অত্তানবা চিংগু মাগী পাইথোংদো শানৌ মচিল মনাওনা কোংবা তমত্রবদা ঈকায়বনা মায়থোং খেত্তম লাংশিন্দুনা মহুমদা হক্কলে। মহোম লাংলেন অনিনা অয়াবা মায়থোং থুক্কনা হক্কপা উবদা নিংথৌ মপুথিবা মপানা নুংশাবীদুনা হংলক্লে। য়োইমযাই তাউদল অত্তানবনা চক্কপা পাথোং মহু শানৌ মচিল মনাওনা মপাদা তক্লে।

মমোমগী য়ারাহু তাবদা, ইপাগী সাংলেন অনিমক করিগী অরাবা শকলোন পুম্নিবনো? হয়ে' ইমুং ঙানবগা ইপানা চিংঙু্গী পাখোং ফোংবিগে হায়রকপা মপাগী য়ারাহু তাবদা শানৌ মচিল মনাওদো মুংঙাইবগী ঙমথৈ লৈখিদ্রে। নোংজেক ঙানবগা তম্না চাকঙন চারগা শানৌ মচিল মনাওদো য়োংজেন থুংতা পায়দুনা মপাগী থাকৈ লৌদা তেম্পাক লৈতুম কাংদুনা কোম্নোহনবা লাকপা ঙাইদুনা লৈরে। য়োইময়াই তাউনা অঙানবনা মরাগী মনাক য়োংকপদা য়োংলৈ কাংজম্বা মচিল মনাওদো চপ লেপ্তুনা চিংঙু পাখোং ফোংলগে হায়রকলে। "য়োইময়াই তাউল অঙানবা চিংঙু কোম্নোহনবা ইবুঙো' চিংঙুমা যোংবা নশাইকোন্দগী লাঙোই শগোল খোঙনেংনদ্রগা শানৌ ইচিল ইমাওগী থাকৈ লৌকম য়োরকপদা লাঙোই শগোলগী খোঙথাং কয়া তাবগে? নিঙোলগী পাখোং ফোংবিরবদি চিংঙু পাখো স্রু ফোংজগে" হায়রকপা শানৌ মচিল মনাওগী য়ারাহু তাবদা কোম্নোহনবা রাথল মুংবংনখি। শানৌ মচিল মনাওনা ঙসি চঙ্ক্রিব পাখোং অসি নিঙোলগী নায়মা মরৌশিংনা চনবা পাখোং মান্দে। ঐবু চোপহনগদবগী মখোয়বু পোকপা মপানা তাকপিবা ওইরমনি খল্লদুনা নিংথৌ মপু থিবগী লৈক্কম থিরক্লে। মতম অসিদা নিংথৌ মপু থিবদি চৌয়া কাচিন্দা রাইথু খোঙলোংবাচা খন্দুনা মংঙা য়েন্দ্রাক বুপ্তুনা ফোংলিবদু উবদা কোম্নোহনবনা লাঙোই মখোঙনেং শগোল থোথরকদুনা নিংথৌ মপু থিবগী মনজন্দা শগোলবু নেংহনবদা শগোল খোজুল তারে। মুমিং অহুদগী হৌদুনা রাইথুগী মনজন্দা শগোলগী খোজুল তাবা হৌখিবনি হায়নৈদো মজাইহেম্মা। জদুম্না মগু মপুনা রাম্নী শার শারদুনা চংলিরৈদো থোইবীগী মমা অতোম্বীহু চেলনা চেলনা লাকুনা অরাপপদগী মমোমবু কৌরকই। মমাতোনগী মখোল তাবদা থোইবী চংপা লেপ্তুনা অয়াং ক্রিকৌফম য়েংওইননা ঙাইরৈ। রাজোন নিংথৌগী তালোয় অতোম্বী থোইবীগী মমাতোন লাকপহু উবদা তম্প্রাকমুমহজবমু মপুক্রিংদা মমোমবু রারককে খন্দুনা কবোদা লোই থাবহু মমোয়া

রাকপগদবনু খনবদা নিংঙম্বক্রুতুনা মমোমনু লোই ফুমদনবা থাম্বা লাক-লিবনি খলুবদা অঙম্বা মাদি সপরায় ফুংঙাইজবে। মমাতোম্না চেল-লকতুনা "ইমোম ইবেম্মা! নপাংগী সরাংনাং পুরগা লাকপদি ইমানা করি হায়নবু পাউদমলসিগে" হায়রক্লে। মমাতোনগী চিনবা য়ারাতু তাবদা থোইবীনা হয়াও হয়াওনা "ইমাতে! পায়না ফুংদা করিগী চিংনবিবিবনো। পম্বৌনা তাকশিরকপতু নমোংদা চিংনদনা তমবিয়ু" হায়জরক্লে। শেম্বি কবো মীলৈবাক, ইগোম নাবু লোই থাবদি হয়াও যাকাতম্নবা ফুংঙাই যাইবী মরাং বাযরুংবা থাব নত্তে। ফুম্বরাকপগী মীনাই নাইথাং ওইতুনা অরাবা শকক য়াবনবনি। মীনাইমবু চরৈ নমথাং ফজবা লিক কোল শিন্নুনা চংপা হৌনদে। চরৈ ফিমন শেংলগা মীনাই শাতুনা চংকদবনি হায়না নপাবুনা তাকপিবকই। ইনোম ইবেম্মা পোক্রবী নমানি মীফুংশি থঙদে পায়না ফুংদা থম্মুনা হমাবু য়ারোইজু হায়রকপা মমাতোনগী য়ারাতু তাবদা থোইবী মপুরাং ফুংশিনবা থম্মোয় ফুংদগী হৌরকপা পিনা মিংলু লাপোম থুংলংমু সপাম্বোবদি মোমোন নোকশিন্নরগা পম্বৌগী ময়াথং পুতুনা নমোম্না শেম্বি মীলৈবাক কবো পদাংখোংদা মীনাই ওইবা চংপসি পম্বৌগী থিংজৌ লৌবা থুংনবনি, নমোম্না শেংনবা চরৈ ফিমন অতু পীগিরো শেংচরগে হায়-রকলে। মমাতোম্না পুরকপা চরৈ ফিমন অতু লৌবগ শেংলে, অমোংপা নমথাং অতু ইনশিল্লে। মামা শেংচম ইরুম্ব চরৈ নমথাং অহুনবা লিক কোল নৈতেং পুন্নমক লৌখোক্লগা মমাতোম্না শিন্নবে। থৌদোক অতু উবদা তম্পাকখুমহঞ্জবা অঙম্বদো রা মচেং অমতা তাঙদনা মরা লুক্কনা নৈরবমু নিংঙমদবা মৈচাক্লা থম্মোয়মুংদা চাত্তুনা মিংমুদা খিংঙমত্রবা পিরাং শিন্থরকই।

পলেম মমাতোনগা পুকমেন পাওমেন্নরগা থোইবীনা মাঙ থারগা মণ্ড মপুনা ইরোইরা য়েংওইননা লাকপনা থোইয়া য়ৌরে। নৈরাং-গুমনা নৌরবী থোইবীগী মায়থোংদা অরাবা মমি তাম্নিবা লমশাং চংপগী রাবমা লাইবক্তা হুমাংগী ঈয়িক কাবতু উবদা, "মজাইবেম্মা

কোয়রৌ মৈশামা য়ৈথবে, লমশাং চংপদ ঙাঃমগনি ঙাংলেন মিকুপ খরদং
মালং ঈচিক লাংশিসি" হায়রকপা মপুগী য়ানাত্থু তাবদা থোইবী মাসু ঙা-
শিংলে, মগু মপুদো পাংমেল উথাদা চঙ্কুন ঊরুমদা পোৎথাগে থৌরাং-
লিংঙদা লাংলোই শগোল তোংছুনা তান্নরকপা খম্বসু থুংলরে। থোইবীমা
হবাও হবাওনা "ইবুঙ্গোতোন থোঙদোইদিবকলিত্রা" হায়জরকপগু
"থোঙলোইঙ্গরক্নি মজাইবেম্মা" থুমক্তে খন্দনা খম্মোয় শোক্লা। সুরা
পাথং অনিংদা য়ারা মথা তানবা গুমদা মনিং কুপ্তুনা য়েংনবদা থম্মোয়
থম্মোয়দা ওমচাক্লবিব মৈচাক্তু চিম্ন ফোংদোকন্দ্রবসু মিংলু নাপোম
থুমহৎনা পিরাং ওইনা শিন্থরকলে। "নিঙোল পোকপা পন্থৌগী
ময়াথং পুবগা পাথং ইঙ্গলাংগীদমক্তা মজাইবেন্দুনা শেম্বি মীকৈবাক
কনো পদাংথোংদা শেন্বি মীচাকচা কবো ঈশিং থক্কুনা তোইদাম
থাশিং খমদনা কয়ম্না য়ানা নিঙোল পুন্সি লেনগদৌরবনো? পাথং
ঐবু গুশিবনা সুবা পুক্নিং লেপশিনবদি ইয়ুম কেগে মোইরাং থা-
দোকপগা নোংযাই ঈপা ইপুগী লম থুমন লৈবাক্তা থোঙদোইরসি
মকম অহনা বারে য়ানা পানশিল্লরসি, চুংথোইবে চুংথাইনা লৈসিন-
নরুরসি" হায়রকপা মবুংগোতোন খম্বগী য়ারাই তাবদা পায়ম্ম খুংদদি
খুংগঙ্গম্ন চিনবান থোংদদি মোমোন নোকনা "বদি য়ারানো ইবুঙ্গোতোন।
নিঙোল ইঙ্গলাংগীদমক্তা পাথংনা শানু থোঙদা যেং লাংলোই থোঙদা
পুন্দুনা ঈঙাং পাঙ্গরক' ঈমু পামফেম্না শিনা সহেৎ থাক্না অল্লা মৈচাক
ফংখিবত্তুগী সুংশি লমন শিংঙগে পাহম্ম চুংদা শঙ্গবত্থু ইবুথৌ
থাংজাংনা উবিবত্থনা পন্থৌদা ইনশিন্নুং। মযোম্বু কবোদা লোইঙ থা-
ঙনথনি খন্দুনা নিঙোলনা হয়াওনা পন্থৌগী য়াথংগু থিগাউ শানা য়াক্কবনি।
মনাওবু সুংশিবিরবদি নিঙোলনা নীংঙাইরবসি থুংহনবিয়ু। নিঙোল
হৈনা ইতুংদা পাথংসু হিদেন হোংনা তাবিগনু পানা লমলান চাবিগনু।
নিঙোল ওইবী ঐন্নু শেম্বি মীলৈবাক্তা তমব মশক য়েংঙরোই হরাও
মথোই কাজরোই। অপাম কাদা থুংনসি সুংশি কাদা য়োনসি
য়ারেপনা থমংথোংগী থোংঙিন্দা তারম পাংগী পাংচিন্দা সুংশি লৈপুল

ওইননবা ইথৈ নিংথৌ পলেম্বা সনবিক মচুম থকুনা য়াশক পন্দোক লোন্নখিবা মুংশি পরৈ হনদনবা লংলা পাদম তংভনবা চিংগু থাংজীং লাইব চেংনা থগোম্নবিন্নু। নিঙোল ঐসু চকপি লাইদগোন অচনবা, ঈরুম নিংথৌনা কোনবলম, ঔরা মুরা তরা লাই শেম্বি শরাংলাইদা শিঙেল লৈরাং কৎতুনা তাউজিং চৈরক কাদুনা অপাম মুংশি রাম্ব-থংননবা চিংগু খুয়াদা নিজরগে" হায়জরক্লে। মজাইবেম্মগী মুংশি মশাইথোলদু তাবদা খম য়ারা মথা তাবা ভমদনা মরুলুকুনা লৈথি। ইরোইবাগী রাপলদগী য়াম্নকপা রা মচাদু পায়রগা লায়রবা লমজাদি মুরা নকমদা করিম্ম পীজনিংঙাই লৈজদে। পাখং ইথুংনা শেংচবা কোংয়াং চৈম্নু অজিনা পাখং ইহুৎ শিন্দুনা মুরাগী ংভুং ইমহনবিম্নু, অরাবা শকক য়াহনবিম্নু হায়দুনা থম্বনা চৈম্নু অদু থোইবীগী মখুত্তা শিন্নরে। চৈম্নু অদুবু পায়রগা য়াঙনা পীবিবা কোয়াং চৈম্নু অজিনা শাবি নহুং শিন্দুনা অরা মুঙাই পুম্নমক্তা থাইবী ঐগী ইতেঙ পাংবিবা ওইসম্নু। চৈম্নু অসিবু থংলেন নহাকমক্তি থম্মতুনা নিঙোল নাকতা লেঙদনা থমচগনি। নিঙোলগী খুনিংথৌদা শিরিবা থোইনৌ ইতা শরুবী মুংশিক্তরবী সনা পরৈ অসি নিঙোল শরুা পাম্মু নাক্তা লৈহনবিম্নু হায়না সনা খুদোপ অদু লৌথোক্লগা শিন্নরবদা থম্বনা খুদোপ লৌরগা হম্না হম্না চুপ্পুনা নাগী খুনাওবীদ শিজিন্নে। অম্মুম্না শাবি শানৌ অনিমা মুংশি পুকামেন পাওমেন্নবদু তারগা তম্পাকয়ুংইঙনা হায়রক্ই। মজাইবেম্মা কোয়েরৌনা রাংজকপানে চংকদবা নম্বৌনি শারবে ইপুদি হায়কম তৌকম থঙাদ্রে হায়রকপা তম্পাকয়ুমজত্নবগী য়াৎাদু তাবদা থোইবীনা ইবুঙোতোম লৈবিহৌরো ননাও থোঙশানজরগে হায়না মপুগী মাঙ থাদুনা থোঙশান্নকলে। মশু মপুনা হৌগ্রম থোং লান্নগা তাদু লৈমা য়েংওইননা চংখিবদু থম মমিং কুপ্পুনা য়েংদুনা লৈহৌই। অমুম্না মশু মপুনা লেপ্পুনা লাকুনা নিঙোল থোং লাম্নগা য়াগী শার শারদুনা মলম লমলেন মদাইমা কেগে কুমদমশোই মোইরাং কুমদমপাং শমলকপদা মুরা থুনজান ভাইথোংওমীগা কেগে পোইনাই মহাগা শাবি

শানৌ অনিনা অপাম মুংশি রায়থংনসি শরি রাশক তেম্বশিংনবু অপাম কাদা রোঁওমদা, মুংশি কাদা থংঙমদা, লোইবী পামলোদা হৌবী চংবী লায়াক তোংদগ্না লানা মালং চৈথেং ফংবদা লাতোল লায়াক শেংপগুম পাম্ম, শেংনা মুংশি কায়না মৈচাক্না থাংওথক্তা য়াইবী মথরায় থা-মিম্নথিবা শাবি শানৌ অনিগী হৌখিবা অপাম মুংশি রায়ীবু খুদক্তা নোংশিংনক্লে তম্পাকয়ুমহঞ্জবগী মপুক্লিংদা। চহী কুময়া কয়াগী মমাঙদা হৈরেম চপ্প খুনজান ভাইখোংওম্বীগা কেগে নিংথৌ পুরিংলাই খোংথৈ লাম্বগী মপারি পাখং পোইনাউ নহাগা শাবি শানৌ অনিগী অপাম মুংশি রায়ীবু ইপু লীগে পুক্লিং চঙনা তাবিয়ু মক্লাইবেম্মা হায়রক্লে তম্পাকয়ুংহঞ্জবনা।

লুরাং নাইবুবনা মাগী পোক্কম লুরাং লৈবাক থাদোক্লুনা হৈরেম লমদমদা লাক্লগা হৈরেম নিঙোল থোযা লৌহনা মকময়ুদা খুন্দাখি। ওক্লপা চহী কুময়াদা মশক মতৌ চঙখোম্না ফজরবী মমোম অমা কংজরে মমিং খুনজান ভাইখোংওম্বী থোক্লে। মথাদা মোপ্পা তাত্রবী অমতা পোকপী মমোম্ন মপাবি মমোম শক্লা নাউয়োকচখি। মমোম্না কাংদোং কাহক্লবদা পলেম পম্বোগী মতেঙ পাংবা হৌরক্লে। নোংমা লুরাং নাইবুবনা মতাও লোইবী হাওবা খুমাকপগী নাক্তা লেংবোং পুহনা চৌংকাথিবনা গুরা ভাইখোংওম্বীনা মপাগী মহুৎ শিন্দুনা খোয়নৌ মতাগা লোয়ননা হৈরেম হঙ্গুন লৌকোন্দা মানবি মণয়াম শেনবা চংখি। মতম অনিদা মোইরাং নিংথৌ খোংথৈ লাম্বাবগী মপারি পোইনাউ নহানা লাক্লোই শগোল তোংহনা য়াওরৌ শাদানব্না লাকপদা য়াংদৌ লবী লম্মুক্লহনা ময়ুম কেগে ভুংওইনরগা রাওরৌ শঙাইগী শাহুং ইন্না তাম্বরকপনা হৈরেম হঙ্গুন লৌকোল রৌরক্লে। হৈরম লৌকোলগী লৌয়াই লোইমোম কৌথোং থাদা শাথংথিবা রাওরৌ শঙাই তম্না রাইরা তেলবু তেন্দমদা তেনজিন্না শঙাইদা হেক পানবদা চিংওক্ত লাইশা ওইরমহনা নোংথাং কুময়ম মৈতালনা পোইনৌ নহাগী শমু হকচাংদা ঘ্নবদা থাম্বী মৈশা কংহনা লাক্লোই শয়াং থক্তগী ওহনা

নৈমায় থক্তা ওয়া থোইনা মৈচাক খাঙখি। অঙকপা লৌলে'ক অহূ উবদা মুয়া ঙাইখোংঙম্মীনা চেমশিন্নুনা পাখংবু থরাই লাইকয়খি। অরাম খোঁয়াংলবা মৈচাক্না থম্মোয় পুবা ঙমক্ত্রুহনা লাইজ ঊশিং পীথক্লুনা অরাম খোঁয়াংবা কোকইন্দুনা থম্মোয় মৈচাক মাংহনখি। কোয়ৌ মুমিৎ অহূদা মুয়া পাখং অমিদো চে'ংলৌ শকথঙনদবনা কোলায় থিংলেন হংবাখিদে। কোয়ৌনা নারল রায়শিল্লক মালেম' মমশিল্লক্রবদা পাখং পোইনাউ নহাদি মনাই খোংমী লাঞ্চীগা লোযননা মযুম মোইরাং পাংখি। পাখং মানা চংখিবা মায়কৈহূ মুয়ানা মমিৎ কুপ্না য়েংহুনা লৈহৌই। পাখং পোইনাউ নহাস্ত মযুম মোইরাং য়ৌরগা রাথকমা তুশা চাবা চঙখিদে। ইমুং ঙ'নবা ঙাইবদা পাখ'গী অয়াবা ওইদি। নোংঙাম্লগা পলেমগী ময়াথং তু'ইন্না হবা চাবঙল চারগা মুয়া ঙাই থাং-ঙম্মীনা থালৈ লৌগী লৌয়াইদা মপানা শা'নিবা হাগী শগাই মহক্তা ফমহুনা মখুত্তা য়াকথোক পায়বগা লৌদা উচেক রায়ানা চাকহাবা ঙমদনবা উচেক ঙাকই। মুমিৎ অহূদা কেগে পোইনাউ নহাস্ত মনাই মশল কনা অমত্তা লোয়নদনা লাঙ্গোই শগোল হোংহুনা মুয়াগী লৈফম খিবা লাকপদা লোকোনগী লৌয়াইদা মুয়া পাখং থেংনরে, উমুংঃ ঙদা মিংকা মিংকা মিৎচায়রে অপাম মরাং ৎৌনরে মুংশি ঊথৌ লাংনরে। ইকায় ইকি তুংওইনা পুক্নি'গী অনীংবা য়া হায়নিংবা কোজায় হায়নহুনা লৌগে নৈগে যানরে, শরি রাশক পল্লোল হোমনরে। পাখং পোইনাউ নহানা মশানৌ মনেম্মা য়েংহুনা চিজোয় মপাউ মেল্লকই। শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী! ঙসিদগী মঙানি তবা মুশিংকী মুমিৎমুংবা মতমদা লমলেন অসিমক্তদা মুয়া পাখং উনসি, অয়া চয়োম চানিংসি।" অহূয়া পুকমেন পাওমেয়রগা কোয়ৌনা নারল রায়য়ক্রবদা পাখং পোনাউ নহাদি মযুম মোইরাং পাংখি। মুয়া ওইবী মহাকম্ম মযুম য়ৌরগা অপোকপী পলেম মমাগী মফমদা হায়দোকসি হায়ঙমদা বাখতগী পোংদুয় পুজখি।

চেংলৌ শকহেনবী মুর' ঙাইখো'ঙদ্লীগী ফজব পাউ অসি হৈরেম খুনজাম লমদমদা নত্তনা লুবা' লৈবাক য়ৌখ্রে। পাউ অসি লুরাং লালোই হল্লবনা মুরা ঙাইখোংঙম্বীবু মাঙ্গী তালোয়শীংদা চনগে লুমলেন লাদা .য়কে খল্লত্তুনা নিঙোল পোকপা লুরাংচ' নাইবুবা উনবা লাবই। লালোয় মখোয় তরেৎনা কৌত্তুনরগা মবাল লৈজদবা নাইবুববু লুরাং নিংথৌ শেম্বগী বাপোক্পা ময়াম্না মপোং ফাহল্লগা কিহন্দুনা মযোম ঙাইখো'ঙম্বী থাজহনগে লুরাং লৈবাক মীংাংদা হৈরাং লুখোংপু তাউজিং হৈজিং কাবগা লুহোংহুনা লৌগে। অস্সুম্না রারেপ্লহুনা লুরাং লালোই হল্লবহু মনাও লালোই য়াইমগা হৈরেম থুনজান পাংলক্তুনা নাইবুবগা উনরগা ওইদা য়ারানা অওইবা শাহুনা হায়রে। লুরাং নিংথৌগী অকনবা চৈবাক চৈথেং কিববস্থু অমগুা পোকপী মযোমগী মপুক্রিগী অরেপ্পা রা খঙদনদি মযোমবু মনীং মখা তম্না থাচয়োই মপুক্রিংদা লেপখিবনা লালোইহঞ্জবগী য়ারাহু মনাদা হাপখিদে। মুরা ঙাইখোং-ঙম্বীদি মোইরাং নিংথৌগী মপারি পাইনাউ নহাগা অপাম মুংশি রায়-থুংনেসি শরি রাশক পন্দোল লোম্নখিবা পাউবু তাবদা লুরাং লালোই-হল্লবদা অশাউবগা লোয়ননা মশানা য়াববস্থু য়াত্রবস্থু নমহুনা তালোয়-শীংদা চনদবা য়াদে হায়না লালোইশিংগা লোম্ন' রাত্ত হুদ্রি। লাইবক চাউবী মুরা মাদি মশাবি মমানমচাগা হায়ন শীংনবা মুমিং তুরহুনা অয়ুক্কী তরা চাকঙল চাবগা হৈবেম লৌকান্দা উচেক ঙাকপা চং-কদবগী শেম শাহুনা লৈয়িত্তৈদা লুরাং লালোইহল্লবীগীদমক্তা লুরাংগী মুপীশিংনা হৈরাং লুখোং পুহুনা তাউজিং হৈজিং কাবকপগী পাউ তম্লরে। পাউ অহু তাবদা মীপাইচাউবী ইবেম্মহু পলেম মমাদা তাক্লমলগা হৈরেম থোংগী থোংথাদা লোৎতুনা মশাবি লাকপা ঙাইজখি। অসোয় কেগে মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ খোংথৈ লাম্থাবনা কৈবাক্কী অকল অথৌ ফম্নাইবা পুর্মকপু কৌথৎলগা রা তাম্নহুমা শগাং চৌংগী খুম্লাকপনা লাম্লারকপা ঙাক্লবা শেম শাহুনা কৈনখ্রে। কৈবাক নিংথৌগী ওইবা অকবা মতাং ওইবনা পোইনাউ নহাদি মশানৌ মনেম্মচাগা উনসি

হায়নরবসু মুমিংতুমা হযেন লাম্থোং শিন্দুনা বেগে কংলা ঙাক শেন্দুনা লৈখি। মুবা ওইবী মহাক্কা হায়ন-শীংনবা মতমদু য়ৌশিল্লক্লবদা পাথং পোইনাউ নহাছু চংসি চংশুমদা চংচসি কদায় রাখলনা লাঙ্গে৷ট চল্লে মথৌদা মপুক্লিং খোয়জংলক্রে।

হৈরেম খোংগী খোংথাদা মশাহি লাকপা ঙাইজরিবী মুয়া ঙাই-খোংঙম্বীদি কোয়ৌনা নায়স রায়শিল্লক্লবা ফাওবদা মশাবি লাওখিনি থন্দুনা চায়ঙববু লাক্রবদা মথরায় রারগুনা মোইরাং মায়কৈ ওন্দুন চিংঙু থাংজীং লাইদা মশাবি মমানমচাদ্ খাংবকলো মুরাগী অরাবা কোকহনবিরো তম্বনা হায়তলা হৌবরে। মতম অচিদা হৈজিং থরাই পুহনা লাক্লিবা লুবাং মুপা মুনৌশিংগী মতুংদা ইল্লবক্লিবা লাকোই তরেংনা ঙাইখোংঙৌদি মযুমদগী চেংওগা কোংঙ পাউহু তাবদা অশাউবগা লেম্বুনন মুরাগী মম্‌দা চৎকদুনা মপা নাইদ্রবদা মমোং লাংলেম পুম্পারকউ হম্বন ফৈচবা হৌরক্লে। লুরাং লালোইশিংগ ফুচৈবদা অনবা চৈনাখোল ফংনবসু মমোংগী লৈকম তাদখোকখিদে। নাইবুববু মাঙ্গোলগী উকোয়েম পুন্দুনা থম্লগা লুরাং লাচোই তরেংনা হৈরেম খুনজানগী যুংথোং থুদিংদা চঙহনা ঙাইখোংঙম্বী খিবা হৌরক্লে। কোয়ৌনা রায়খিহুনা মালেয়া মমশিল্লকপা মতমদা হৈরেম খোংগী খোংথাদা লোংলিবী ঙাইখোংঙৌগী মনাক্তা থুংলরবদা মীপাইচাউবী মুরাদো লুরাং লালোই তরেংকী অকিবা শকমহু উবদা চেনসি চেমতমদা কিবনা নিংদোল চেংগুম চেংগানরে, হায়কম তৌকম খঙদহুনা কপ্লুনা কৈরে। লুরাং লালোইহঞ্জবনা চঙশিল্লক্লুনা "থম্বাল মানবী ইবেম্মা! ঙসি কোয়ৌ মুমিংতি নুরা নঙগীদমক্তা হৈরাং লুথোং পুহনা তাউজিং হৈজিং কায়ক্লবমিনা পাথং মোংবা ইরানয়াইদা চংলসি, ঙালোঙশীংদা চল্লগে লুমলেন লাদা য়েক্লগে" হায়রবা লালোইহঞ্জবগী য়াবাহু তাবদা নুরা ঙাইখোংঙম্বীদি হোয় মাই পাউথুম অমত্তা পীদনা কপ্লুনা কৈখি। লৌশিং চাউবী ইবেম্মদো মশাবি লাকখিগদোবোই থরহুনা মথংলেন লাকপা ঙাইগে পায়মা মুংদা লেপচরে। অমুকপী তরা চায়ক্লনবা

পাঙ্গল ময়েং তাশিল্লক্লে খোঙ থাংছুনা লৈরাং তাম্না চংশস্থু ঙংলোইদৌরে। পাল লৌরগা চারবদি পাঙ্গল অসি কনখৎকনি হায়জবদু লালোই-হৌজবনা য়াবিরছুমা লৌশঙদা চঙলগা পালগী মহুক্তা নুং লৌছুনা মশাবি লাকপা ঙাইতশি। লৈরাং লালোই ভরেংনা চরুক লমমাইদা বাংলৈ অয়াংকপা হাংদ্রৈ অথুম্বা থঙ্গুনা মুগী ময়াইনা মকোক ঙাও-ছুনা নিংঙাইবা লৈহনা তুমহনা লেপ্রে। লৌশঙদা নুং লৌরিবী মুরা ঙাইখোংঙলীদো মখোল থোক্না কপসি কপঙমদা মুরাগী মিৎলু মাপোমদা থিংঙমদ্রবা ইফুৎকুম তজনা শিন্নরকপা পিরাংনা মাহথোং থম্বাল চোং-লকলে। য়াশিরো লাংদা থুববী শাদানবগী থুক্তা চল্লবী শক্তি অমোমগী পাঙ্গক ওইরবী মুরাদো কপচনা নস্তনা মুরাগী মপাঙ্গল মথৌনা লৈরক্লে। অহীং তাংলৌ রায়রকপা মীরাউখোল তারক্লবদ মুগী ময়াইনা মকোক ঙাওছুমা লৈরুরবা লৈরাং লালোই ভরেংতো ঙাংবা ফরছুনা নীংশিংচাল্ল। লালোই অতোম্বা থাহনা য়েংহনবদা পালগী মহুৎতা নুং লৌরম্বছু থেংনকরে। মহু উবদা লালোই অতোম্বদু শাউগ্রবোই মুরাগী শল্লাং পায়রগা শা যণ চিংবঙুম লবুক লময়াইদা মীমুংশি ৎহদন চিংছুনা পুরক্লগা লালোই হৌজবদা শিল্লরে। লৈরাং লালোই ভরেংনা মুরা চাই-খোংঙবীবু মশানা য়াদমা চিংছুনা পুরকপনা হৈরেম খুন্জাংগী থুন্মাই য়ৌরকপা মতমদদি নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরক্লে।

কেগে নিংথৌ মপারি পোইনাউ নহাগী খোমজেন মহৈালচান্দা মশানৌ মনেম্মচাবু মশক খঙদবা তমব মুপা ভরেংনা ফাছুনা পুবদা মুরা মানা কপ লাউছুনা চৎপহু মঙকাওনছুনা মিকপ থোরকলে। পাথং মাসু মরানয়াইদা নিংঙাইদনা লৈথোকপা হমদুনা ইচুং ঙাংবা ঙাইতমদনা লাঙ্গোই শগোল তোংলগা নাকন্দা থাঙশাং মান্দুনা মশানৌগী নাক্তা লাক্লে। লমজেন হৈরেম লমচুংশি য়ৌরকপদা লোং পুমঙাল ঙান্দুনা মীশক মীশা শেংনা উনরক্লে। মতম অসিদা মুরাবু পোকপা লৈরাং নাইবুবনা মথুংতা থাঙশাং অমা পায়রগা অঙাওবগী মহৌরুম কপ লাউছুনা চেক্লকপদা লম্মথাংদা পাথং পোইনাউ নহাগা থেংনরে।

লুরাং তালোই তরেংনা মনোম ঙাইথোংঙম্বীবু যাহুনা পুক্রে পাউবু তাবদা কেগে পোইনাউ নহাক্তু অশাউবনা মশা থক থক নিকলে। নাকন্দা য়াম্লিবা খুংগু থাঙাক্লেনগী ময়া চিক্লুনা ঙমলে লুরাং তালোই তরেং হাংকে ঙংদবা থোকলে মুয়া মশ্র'লাংগীদমক্তা পাখং য়াইবী থাংদোক্নে হায়না শরি রাশক পম্মোল লোম্লগা মুরাগী থোঙ্গল লীবক্লে। অয়াম্বদা লালোই শংগোল তোংলগা শলাউ লনশাউ লাউহুনা তাম্ন-রকসিবা কেগে পোইনাউ নহাবু উবদা লুরাং লালোই থরদি চরোং হাবুং মরক্তা লান থুপ্লুনা লৈরে। লালোইহঞ্জনা লালোই অতোম্বগা লোয়ননা মুয়া ঙাইথোংঙম্বীবু মচিন্দা চবৈ থিন থিংলগা ১০৫' উয়ক য়ারক শনহুনা চেন্নকলে। থোয়ম নারোম্বা লান লুমহুনা লৈরিবা লুরাং লালোই মঙানা চোংথোরক্লুনা পোইনাউ নহাবু লানগোই চন্না হুয়েল লাম্থেংনবদা লুরাং লালোই মরিদি মায়থিহুনা য়াইবী মথরায় মাংলে। লালোই অমদি শমজি থায়হুনা চেনখ্রে। পোইনাউ নহানা অকিবা থুঙদনা লেপপা লৈতনা তাম্নরকপা উবদা মীমুংশি থঙজ্রবা লালোই হঞ্জবনা লালোই অতোম্বদা মুরাগী তাঞ্জ লুরেন কৌরগা লুরাং লৈবাক্তা পুহুনা চেনখ্রো থোদারমকপা কেগে পোইনাউ নহাবু লোম্না য়াইবী থরায় লোগদবগী চরোং হাবুং মরক্তা নাথুপ্লুনা লৈখি। লালোই হঞ্জবগী য়ারাঙ তাবদা মুয়া ঙাথোংঙম্বীনা লালোই অতোম্বা য়েংলগা "ইবুং মানব' অথৌবা! পোকমিম্নবী নচঙনি থন্দুনা মুংশিবিয়ু, নিঙোগী য়াইবী থরায় কনবিয়ু" হায়না হিক্রা হিক্রা কপ্লুনা হায়জবহু লালোই অতোম্বগী মনাদা হাপখিদে, কপপা লাউবা তাবিখিদে। লৌরিদা থোনথাংনহন্নগা মুরাগী তাংজ লুরেনতোন কক্নবা মথুংগী থাঙকেন শংলক্নবদা লাইবকচাউবী ইকেম্মদো কপ্লুনা কাম্নরোই থঙহুনা অমম-অঙান থায়রিবা চিংঙু মাবু কৌরগা হায়জরক্লে। 'নিঙোলগী তাংজ লুরেন কেমবশ্রু শাখি পোইনাউ নহানা থরায় য়াওজবা হকচাংবু শোক্লিবা কাওবদি মুরাগী শমু হকচাংদগী চেম্নকপা ঈপী ঈচেল লেপহনবিগনু" হায়না চিংঙু মাবু চেংনা থাগোম্নজরক্লে। মীমুংশি

খঙদ্রবা লুরাং লাল্লোই অহোম্বনা ঙাইখোংঙাইগী তাংজ লুরেনতোনবু কক্লগা চবৈ ফিনা ফিয়োম শানা য়োমশিন্দুনা লুরাং নৈবাক থাম্না চেল্লকপদা লম্মথাংদা মায়থীতুনা চেনখিবা লাল্লোই অমহুগা উনদুনা চেনমিন্নখি।

কেগে পোইনাউ নহানা অশাউবদা লোয়নন্না লাঙ্গোই শগোল থাংহুনা তান্নরকপদা চয়োং হাবুং মবক্তা লোৎলিবা লুরাং লাল্লোই হঞ্জব। চোংথোরক্লুনা থাওনলে নোংথাং কুপনবে, অকনবা লান থেংনয়ে। মাপা তামবা কাওরেন্দ যণহুম্না অচৌবা অনিন হনন্নবা লৈতনা লানথেংনবদা অমন অমবু লাকচবা ঙমনবিদে। লাল্লোই ময়াম থেংনবগী চাকথরবা কেগে পোইনাউ নহানা মপ হুন মচৌনা নৌহৈনা হাপচিয়ু হায়না চিংগু থাংজীং লাইবু চেংনা থাগোন্নরগা হুয়েল লাম্থেংনরকপদা লুরাং লাল্লোই হঞ্জবদো মথুংতগী থাঙ তাখিহুনা মায়থীরে, খুদক্তা মাইথী মথম্লাম্ন মাঙলে। পোইনাউ নহানা লুরাং লাল্লোই হঞ্জবগী তাংজা লুরেনবু কক্লগা অকক্না। তাংজদুগী চোইজাইনবা শমলাংহু তোরৈননা পায়রগা লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা মশানৌ মনেম্মচাবু কোর কোরহুনা মুংশি থোঙ্গুল লীরক্লে। লমলেন হৈরেম থুংঙাংগী থুন্দোল কাওরেল যনহুকমদা তাংজ লুতোন য়াংদ্রবা চংবী লফু মতুপকুম ঈঙাং পাকংক্লা ঈমু পামফেন্না মালেম থক্তা লোংনা তাহনা লৈরিবা মশানৌ মনেম্মচাবু উবদা লাল্লোই শম্নাং থক্তগী চোংথরগা মথাদা চেংনা কোনথংতুনা নোং থোংবগুম কপ্লকলে। হুরাগী শমু হকচাংদো পাথং মানা কোনথংপদা ঈফুৎকুম লেপ্তুনা চেল্লম্বা ঈগী ঈচেন্দো থুদক্তা থকখি। ঙাহাক কপ্পমলগা পাথং মাদি লৈমায়থক্তা তারিবা ঈগী ঈরম তুংইন্না লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা মশানৌগী তাংজ লুরেল থিবা হৌরক্লে। মুরা ঙাইখোংঙম্বীগী তাংজ লুরেল পুহুনা চেনখিবা লুরাং লাল্লোই অনিহু রাইথোং লমমুংশি য়োরগা নোংচুপ শাংনা লাক্লুনা পুমলেন চেকয়াদা চৎলগা কেগে কুমদমশোই য়াংবী য়োরকপদা মুংশাগী মৈশানা পৎথরবা লমশাং চেল্লকপদা চোকথবনা

পামেল উরুমদা পোত্থবদা তুমথোকখরে। লাঙ্গোই শগোল তোংদুনা লেপ্পুনা তান্নরক্লিবা কেগে পোইনাউ নহানা উধাদা তুমলিবা লালোই অনিগী মরক্তা চরৈ ফিনা য়োমহুনা মালেম থক্তা তাহনা লৈরিবা মশানৌ মনেম্মচাগী তাংজ লুরেনতোনহু উবদা পাখংগী হকচাংদো থঙহৌদনা তু চুংখি। য়ুগী ময়াইনা অশিবগুম নিংঙাইদনা তুমলিবা লালোই অনিগী পুল্লিবা শমলাংহু থোক্লগা শমদোন শমদোন অনিহু চেংনা পুনশিল্লরে। পোইনাউ নহানা নাকন্দগী থাঙলেন শংলগা থাঙ- পাকনা কৎহুনা হৌদোকপদা শমদোন শমদোন পুনশিল্লখিবনা লেংবা খোৎপা ঙমদ্রে। মীমুংশি লৈদ্রবা লাঙ্গোই অনিগী লাল্ চোমায় কক্লগা কৈরেল চনশিল্লে. মশানৌগী মংশক তাল্লে। মালেম থকতা তাবিবী মশানৌ চেংলৌ মুংশিবী তাংজ লুরেনতোনবু কোললগা থজাই লেংঙম চুপ্না পোইনাউ নহাহু নোং খোংবগুম কপলক্লে। "শানৌ ইরেম্মা মুংশিবী য়োইবুনাই ইনেম্মচা নহাকপু খোয়্রুম নোংদমখোলনা কনখিবনা পাম্ম্ পাম্ম্ শেংনরে মুংশি মুংশি কাল্পনরেদকো। অসুন্না ঙাহাক কপল্লগা মুরাগী তাংজ লুরেনতোনহু মকোকী কোয়েংনা নাহোং শাহনা মনজলদা পোরগা পাখং মিংলু অনিদা তরং লাইজ ঈহৌনা হল্লক্লে। থাদৈ লৌগী লৌয়াইদা চংবী লফ্ মতুপকুম ঈঙাংলকতা য়াতারিবী ঈমুলক্তা য়াহিপদিবী মশানৌগী মথল্লায় য়াঙজবা শমু হকচাং পোল্লাংগী মনাক্তা তাংজ লুরেনতোনবু থমলগা নোংখোং কুইনা হৌরকপা ইঙা নোংলেন নোংনা খোংনা লাইনা চুবগুম ইকায় ইকি রাংমা লাল্লা কেগে পোইনাউ নহাদো মখোল খোকনা কপলক্লে। অপায মুংশি রায়থ্নেসি শরি পন্দোল লোম্নখিবা চিংঙ্ নোংদমখোল থীথিবনা পাখং ইমুংলাংগীদমক্তা লাইবকচাউবী মুয়ানা ফাইবী থরায় মাঙহনি। ঙসিদগী নঙগা ঐগা লোইনরে থঙনদবা মুরাগী কোলোয় মিংলেমদি লোইজলেম্বী খোল্লগে হায়না মশানৌ মনেম্মচাগী মখিংবু নৌহৌবনা খোনখিখি। পাখং ইমুংলাংগীদমক্তা লাইবকচাউবী মুয়ানা ফাইবী থরায় থাবগুম পাখং ঐমু শানৌ নমুংলাংগীদমক্তা শরি রাশক তুংইন্না

য়াইবী থবায় থারগে। অমম অঙান খায়ম্বিবা চিংঙু মাবু পলেংনা অপাম কাদা থুংনসি নুংশি কাদা য়ৌনসি শরি য়াশক পান্দোল লোয়্নখিবত্ত ঙসি কোয়ৌ নুমিৎতা য়াশক পনথৈ লোয়্নরসি নুংশি পম্বুং য়ৌনরসি হায়বমলপা নাকন্দগী থাদলেন শৎতুনা মশাগী ভাংজ লুরেনবু পোইনাউ নহা মতোমদা ককচব। অঙকপা খৌদোক অত্থ উবদা মীয়াম চেপ্লোয়রক্তুনা য়েংনখি, নুরা পাখং অনিগী নুংশি লাংঙল মতৌত্থ উবদা থম্মোয় শোক্লা তেংথানখি। পাউ অসি তাবদা কেগে নিংথৌ খোংথৈ লাম্থবনা অঙম অথৌ ময়ামগা লোয়্ননা লাক্তুনা য়াইবী মথবায় য়াওত্রবা মপারি পোইনাউ নহাগী শমু হকচাংদো দোলাই থক্ক হাপ্তুনা মোইরাং তাম্না পুখি।

নুরা পাখং অনিগী অপাম নুংশি রায়ীবু পুক্নিং চঙনা তাম্বিবী মজাইবেম্মা খোইবীদো নুরা থম্মোয় শোকথবোই নুংশি পুক্নিং নুংহোকনা মিংস্না থম্বাল লৈকাদা তরং লাইজ ঈহৌনা হিক্রা হিক্লা কপলকলে। তম্প্যাকয়ুমহঞ্জবা য়েংলগা, ' ইপু! নুরা পাখং অনিনা অপাম কাদা য়ৌনদা নুংশি কাদা থুংনদা থাংঙু থক্তা য়াইবী থরায় থানখিবা মমম অত্থ তাম্না নগুবু পুবিয়ু। লমদম অত্থ য়ৌরগা লাইবকচাউবী খোইবী ঐস্থ অপাম কাদা থুংলোইদবা নুংশি কাদা য়েরোইদবমক। চৈরহনি শাবি শানৌ অনিগমনা য়াইনী থরায় থাকবা ঙম্নবা পাজল থৌম্না পীনবিয়ু হায়না লমদম অত্থবু কোম্নিবা চিংঙু মাবু খুরুমজগে" হায়-রকলে। মজাইবেম্মগী পুক্নি'দা করিগী অত্থ যৌনা তয়াং তশোই-বিরিবনো? ইবুধৌ থাংজীংবু চেৎনা থাগোয়্নবিয়ু, মজাইবেম্মগী নী বা থুংগনি। ঙসিমক ইও ইপুনা লমদম অত্থ তাম্না চংকহনি থেংজগনি শেম্বি কবো য়ৌবা ঙমলরোই। তাংজ লুরেল য়াওত্রবী নুব ঙাই-খোংঙম্বীগী শক্তম লাক্তুনা থৌজ্থ নুংনা শারগা লাইজলেম্বী মিংথোম্দুনা লমলেন নুরাখেন্দা হৌজিক কাওবা লেঙদনা থমদুনা ঈরাংনরি। মতম চাবা অমদা ইবুঙোতোন থম্বগা লোয়্ননা ইও ইপু ঐখোয় অহুম মফম অদুদা চৎতুনা খুরুমলুসি হায়রক্লে।

ভম্প্যাকয়ুমহঞ্জবগী য়াম্বাহ্ তারগা থোইবীনা মপুকনিংদা চিংনহ্নবা ইপু, লাইরেম্বী শক্কবী লাইজলেম্নীবু লাংলিবা লমদম অহূবু করি মরমদগী নুংশাথেল কৌখিবনো হংজরকই। মজাইবেম্মগী য়াম্বাহ্ তারগা ভম্প্যাকয়ুমহঞ্জবনা লমলেন ঙুরাথেল থোনখিবগী মায়াহ্ ইপু লাগে পুক্নিং চঙনা তাবিয়ু হায়জরক্লে। মলম লমলেন মপাইমা ঙুরাথেল কৌক্রিবগে লমদম অহূদা ঈরুম নিংথৌনা পাল্লম্মী। মতম অসিদা চাইরেন নিংথৌ য়ুংফুক্লেম্বস্থ লমলেন হৈয়াইপোকপীদা পাল্লম্মী। কম-লোয়বা নিংথৌ অনিসি পাথৌ মরুপ শাম্নহুনা মুশি চান্নন পান-খিম্মরম্মী। ঈরুম নিংথৌনা মপারি য়েক্লাংবগীদংজু মতাঙ চাইরেন নিংথৌগী মচান্নুপা মশক মথৌ চঙথোনবা হৈয়াইন্ হায়রম্মী। মশক মথৌ ফজবী মমোম হৈয়াইমগী হৈজিং খরাইদি ভাউজিং হৈরম চামা চামনা থুজিং ওইরগা পুরকউ হায়রকপা মতাঙ চাইরেন নিংথৌগী য়াম্বাহ্ ঈরুম নিংথৌমু য়ারম্মী। পাথৌ মরুপচা অনিনা মচা মচা পীনহুনা ভাই শেল ওইনরবদি হেম্না মুংশিনগনি খম্নহুনা রাখেপমহ্ হৈয়াইন্ কৌবী ইবেম্মনা য়েক্লাংববু পামদবদগী য়ানিংলমদে। মপাবু খিবদগী মপুক্লিংগী য়ারা ফোংদোকপা ঙমদনা থম্মোয়ন্দা অরাবা মৈচাক ওমচাক্লখি। কেগে মোইরাং লৈবাক্তা থোরৌ নোংমদোল-জনবঙম নমু মীপোক মীহিং ঙম্বা লাইনিংথৌ থাংজীং লাইদা লৈক্তগে মপুক্লিং চপ য়ুংনা লেপ্তুনা লৈজরিবী ন্রানি। হৈজিং খরাই পুন্নবগী ন্মিং লেপ্পরবদা ঈরুম নিংথৌনা মনাই মশল থাহ্নুনা ভাউজিং হৈরম চামা শুনবা খিহনখি। পাউ অসি তাবদা হৈয়াইন্দি মথরায় রা-খিবনা তুম্বা চাবা চঙদনা কপ্তুনা লৈরিবহ্ থাংজীং লাইনা উখিরহুনা ন্রাগী থোমলেন মঙলানচান্দা লাকনা রাক্লগন্ থাংজীং ঐনা সৌরগনি হায়না থোমলেন মঙকাওনখি। নোংঙাম্নগা হৈজিং খরাই পুগদবা ন্মিংকী অহৌং অহূদা থাংজীংনা শন্দং কৌবা শাহ্ ওম্নগা ন্রাগী ঙমাংদা লেপ্লগা থোংলকই। শন্দংনা থোংবগী মথোল তাবদা হৈয়াইন্না মপা খঙহন্দনা লোম্না মপালদা থোরক্লগা শন্দংগী মমাঙদা

লেপ্লরবদা শন্দংনা মথক্তা হাপ্লগা থরাই থোঙ্গাল রা'মা লাম্না থোরক্লগা মমায় ওনশিন্দুনা খোংলম্মী তায়বঙ্গী মফমদু শন্দংথোং মরু হায়না খঙনখি। শন্দংনা হৈয়াইস্ত্র পুরগা মোইরাং তাম্না লাকপদা থুগা লৈ- তাবপোকপী তুরেল ঈরাল্লগা শন্দংগী শক্তম থাদোকলগা থাংজীংনা হৈয়াইন্ পুরগা শঙলেনয়াইদা চংকপদা থাংজীংগী থাকোয় তইল কোয়রেল লৈমনা শাউহুনা চঙহনখিদে। থাংজীংগী অতিশুবা তাকোয় মোইরাং নিঙোল পোন্দেন মুরাবীবুদি কোয়রেললৈমনা শাউরমদে। হৈয়াইস্ত্র পুরকপা মুমিংতগী থাইরু মোইরাংথেম থোইম্বাংদম লৈকায়দা শঙ অনি শারগা ইবেম্মা অনিহু তোঙান তোঙান লৈহনখি। থাংজীং লাইগী তালোয় শীংদা চল্লবী ইবেম্মা অনিগী মিংলেনহু অয়াং লৈমা পান্থোইবী মহু থোংনাং লৈমা থোনখি। ইবেম্মা অনিগী মনাক্তা চহী থুদিংগী রাকচিং থাদা থাংজীং লাকুন লৈরবা মতমদা রালোং কবোক পোক্তুনা কেগে লৈকায় শিনবা থংনা য়েল্লি। মশাগী অনিগী নাক্তা থাংজীংনা লোইদাম থাবুম অহুমা চুপ্পা লৈ। মোইরাংগী মীয়াম্না ইবেম্মা অনিসিবু ইবে- ম্মাইমা ইবেমতোন হায়নস্ত্র কৌনৈ। অসোমদা য়েল্লাংনা লাঙোই শামু তোংহুনা মুরা ময়ামগা লোয়নন। তাউজিং হৈজিং কামবা হৈরম চামা চামনা হৈশিং শুনা পুনবা শেম শাহুনা লৈরক্রবদা হৈক্রু কৌবা হৈহু রাংপদগী ঙাইহুনা লৈনরিঙৈদা থাংজীং লাইনা হৈয়াইস্ত্র পুহুনা চংশ্রে পাউ তল্লরে। পাউহু তাবদা মুরা পুম্নমক মথরায় শোক্লা লুংঙাইতনা মফমহুদা নংবঙননা লেপ্পুনা লৈনখি। য়েল্লাংবদি নংরাশিংগী মমাঙদা ইকায়বদগী মানা তোংলিবা শামু অহুগা লোয়মনা মফমহুদা থোহু নংহুম ওন্দুনা লৈখি, মফমহুবু য়েল্লাংবা চীং কৌনখি। য়েল্লাংবগী হৈজিং থরাই পুগদবগী মুরা ময়াম্না থেন্দুনা লৈখি হায়বগী মফমহু লমলেন মুরাথেম কৌনখি।

অসুম্না তম্পাকয়ুমহল্লবনা মজাইবেম্মগা রারী শানা শানা লাকপনা লমলেন কাংশোইবী য়োরকপদা কেগে অকোংজাম্বা অঙম্বগা ফৌহই- বীগা অনিনা অপাম নংশি রায়থংনদ্রবস্থু মফম অহুদা ঙাকচৌ ফারগা

ঙা কাংশোই চামিম্নখিবগী য়াবীচু লৌ লৌদুনা লাকপনা শম্তোং লাইরেম্বী তেরাখা য়েংওইনরে, থুগা লামে থেবপুং য়োরে। ইথাইগী থেবপুং য়োবদা মশু মপু অনিদো তরা চয়োম পুথোক্লুনা চাগিন্নারে। চাবা থকপা লোইরগা ঙাংক্লং পোত্থাবদা থোইনীনা মবুঙোঙোন থম্বনা পীরকপা চৈস্নগী মতাং অমা করগা থারে। শাবা লোয়রগা চিংঙু থাংজীং লাইবু চেনা থাগোনদুনা হয়েং ঐনা শেন্দ্রি কাবাদগী লোই কারকপা মতমদা চৈশু মতাং অসিমা মরা খো'সিরাই থম্মু রানৌ হন্দুনা রা ওইনা হৌরমলবদি অপাম কাদা থংগনি মুশি কাদা য়োগনি থঙজগে চিংঙু থুদম চাংদম পীনবিয়ু হায়জখি। অসিগী মশু মপু অনিদো থেবপুং তুংওইননা মোংবা তুদোখোং তুরক অচৌবা লাকপগা ইথাই পুনমচীং য়োবদা, য়েংঙু য়েংঙুবা থুদি'দা নিঙোলগী পুরি' মুংঙোললে। মলম লমলেন অসিবু বোলোয় মমি' করি কৌবগে হংজবাক্ল মজাইবেম্মনা। মশুনা মপুবু লোখনা থিম্দুনা হাংখি হায়বগী লমলেন অসিগী কোলোযবু ইথাই পুনমচীং থোনথিবনি থুংক্লে মপুনা। ইথাই পুনমচীং থোনখিবগী য়ারীচ নশুদা লৌবিয় মাংদৌলগী থেমবা অরাবা পোত্থানবা তাজগে হাযরক্লনদা হুম্পাকযুমহৌজনা ইথাই পুনম-চীংগী য়ারীবু মথং শীংনা লৌরকই।

লুরাং নিংথৌ লাম্তৌ ল'শ্লনবনা খিং খিং কা'ইহম্ন পাম্নদুনা য়া'হনবা অমদি য়াংখুবা কৌবা মপারি অনিংক পোবই। মপারি অনি অসিনা পাথং শরেপ কারক্লবদা পলেম পস্থৌ অনিনা মনাওম্নপা য়াংখুববু অতোন অতানি থন্দুনা থবা লুনা চাম্না তৌবহৌদা ময়াম্বা য়া'হনবগী মপুক্লিংদা রায়েখি। মনাওম্নপাবু লুনা চাম্না তৌবা অসিনা হয়েং ইংনা অহল ওইরক্লুনা শিরমদাইদা মনাংক্রুপাবু মিংথৌ হাপহিংদ্রা মপুক্লি'দা চিংনখি। মতম থরা লৈরগা নোংমা য়াংহনবনা মনাও য়াংখুবদা "শানৌ-তোন! ঐখোয়বু পোকপা পস্থৌ অসি অহল ওইশিন্নক্লে শিগদবা নকশিন্নক্লে, অহুনা কু অমা চন্দুনা থমসি। অমুম্না ঙাওমহুনা মচিল

মনাওনা মপাগী কু চননবা উজাউ থিবা লাক্লে। মখোয়না তুরেল থোং'মুংদা অস্তুম লাকপদা চাউববা উপান্থী অমা থেংনহুনা মহু য়াংল্লগা কু চল্লে, কুমায় শেমলে। ঐখোযনা চল্লিবা কু অসি পস্থোগী হকচাং চনগত্রা চল্লোইত্র যেংগে নঙ কু মমুংদা চঙঙ্ হায়রকপা মরাম্বগী য়ারাহু তাবদা য়া থুবনা ঐদি নহানি, পস্থোগা হকচাং চাউবা মায়থা ইয়ামবনা কু মমু'দা চঙ্ষিঘু ঐ চাবা চাদত্রা য়েংগে থুমলকই। য়াংহমবহু মপুক্লিংদা চিংনা চিংননা কু মমুংদা চঙখি। মানা কু মমুংদা হেক চঙখিবগ' যাংথুন্ন কুমায় য়ৈশিল্লে। মানা তৌগে থল্লখহু মনাও মুপানা পাংথোক্লবদা য়াংহংবহু মা মথা তাবা ঙমদনা মনাওদা মাগী বাঁসি অহুদদি মুমদগী লৌরুয়গা পীয়কউ হায়রক্লে। য়াংথুবনা চেনথিহুনা মমুমদগী বাসি লৌরুয়গা ময়ামদা পীয়ে, কু অহু তুরেম্মা ইঙ্গরে। য়াংহনবদি কু মমুংদা বাসি থোংল থোংলহুনা তুরেংগী চৈচেল মতুং ইমা তাউরকপনা ইথাই কাইবেখগী লাইজ হিদেন তাকম য়ৌরে। মুমিং অহুগী অহীংদা ইথাই কাইরেখগী মমোম লাইগলেম্বীগী খোমদেন মঙলানচান্দা য়াংহনব লাক্কুমা "শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী! মুয়া নম্বুং-লাংগীদমক্তা পাখং ঐদি পস্থোগী হিদেন তাকমদা কৌশিং কৌরাং ময়ক্তা ভয়া চাদ থক্কনা লৈয়িবসি শানৌ নঙদি উত্রবোই' হায়না মঙ্খাও-নরক্লবদা লাইগলেম্বী থঙহৌদমা মিকপ থোরকলে। পাখংগী চেংলৌ শক্তমবু উবদা মুয়াগী পুক্লিং শুমহংল্লবোই য়াংলনা অমুক হয়া তুমথবা য়াক্রে যানা নোংঙানবা ঙাইয়ক্রে। অমুকী য়েন্দা অঙনবদা মী কনা হৌনত্রিবৈঙদা মথংত্তা পুল অমা পায়রগা হিদেন তাম্লা ঈশিং শোকপা কুমথয়কপদা চাউয়বা কু অমা লৈয়াইগী কৌশিং কৌয়াং ময়কত্তা য়ৈশিন্নুনা লৈয়িবহু উবে। কু অহু চিংশিল্লগা অহোবদা য়েংবদা মশক মতৌ কজয়বা য়াংহনববু উবদা মুয়াগী খোমদেম মঙলানচান্দা উথিবা পাখং অহুনি থঙলবদা কুমায় অহু কক্কোক্লগা মপান্দা কৌথোক্লে।

চিংঙ্ মানা তমখিবনা শাথি শানৌ জনিদো ঈনদমক্তদা নংশিনখি। মুমিং অহুদগী য়াংহনববু কনা অমত্তা থঙহন্দনা মপাগী কৌ হাপ্পয়স্থা

কৈনা লোৎতুনা থমখি। মীরক নারক য়েংলগা লাইগলেম্বীনা অয়া চাক পুশিন্দুনা য়াংহবনদা পীজে। কয়িগুম্বা য়ুমিংতা কৈ মনুংদা মখোয় অনি চামিন থকমিন্নৈ। অদুগা পালেম পম্হৌ থম্মহন্দনা কৈ মনুংদা লোৎতুনা লৈরকপা লোইদাম থাবুম ফাভিল্লক্লবদা লাইগলেম্বী ইবেম্মা হৈরাং মরু পানখিবা তাউতিং মমি তয়কলে। মমোম লাইগ-লেম্বীগী লমচং শাজং হোংলকপা চরাও কুদৈ য়েংবা চংদু য়াশিল-লক্লবদা পালেম পাম্হৌগী মপুক্লিংদা চিংনবা হৌরকলে। মমোমগী পুকনুং ফিয়ানবা মওং মতৌদু উবদা মপা ইথাই কাইরেম্বনা মমোমগী লমচং শাজংতা কুপ্না য়েংশিনবা হৌরক্লে। মোংবা মমোম লাইগলেম্বীনা মশাবিগী চাননবা অয়া চাক পুশিন্দুনা কৈ মনুংদা চঙথিবদু মপানা অয়াপ্পদা উহৌরে। মানা চিংনিবদু কুসিদি অমেওবা থওলগে হন্দুনা মথৎতা থাওশাং পায়রগা কৈ তাম্না লাকলে। মপানা শাউনা লাকপদু উবদা কৈগী কাচিন্দা পৈরিবা পৈয়া মরুমদা য়াংহনবা লোৎতুনা চৈথে। কাইরেম্বনা কৈ মনুংদা চঙতুনা য়েংবদা উত্রবদা নও পৈয়া কবপা অমুমা কক্লবদি মুংঙাইথনিদকো হায়না মথৎতা পায়রিবা থাওশানা পৈরিবা পৈয়া মপৈদু য়াম্নংপদা য়াংহনবগী তাংজ লুরেল য়াওথে।

মপাগী মথৎতা মশাবিগী য়াইনা মাঙথবদা লাইগলেম্বী ইবেম্মা অরাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লরে, চাংজৌ মাপা লাম্বা ফংগ্রে, রাখল লম্কুক্লরে। কপসি কপঙমদা, রাসি কদায় রাঙমগা, অরানবা মুংদা ফুম তুমফম চাফম থম্মদনা অঙাওবীগী পাংথক ওইরে মুরা লাইবকচাউবীদো। অদুগা মশাবি কায়না মৈশা লাংতুনা অনাবা মৈচাক থাঙলকপদু লোইদাম থাশিং য়ামলকলে। তাউজিং মমি তমখিবা হৈরাংনা হৈজিং ফাজিল-লক্লবদা পায়মা লৌশিং চাউবী ইবেম্মদো তুমিন্না লৈথোকপা য়ামক্রুহনা লৈকায়গী মবুং অমা নেক্লগা মপাগী মরুপ লোকথা হাওখা ঝিংথৌ য়েনবাইবগী মমোম মাগা খোয়নৌ মত্তা শাম্নহুনা দুনা চাম্না তিম্নজবী মুরা রান্দংমু কৌহল্লুরে। লাইগলেম্বীগা মত্তা রান্নবংনগা লোম্না থাজ নিঙোল কাদা নাম্না চিক্না রাতামহুনা লোইবী মাগী মশাইকোন্দা খোরৌ

শিংবুম খরদং লৈরকনবা থম্নরে। হাওখা লিংথৌ মমোমলোই মুরা রান্দংমুনা মপা ইথাই কাইরেম্বনা থোইনৌ মতা লাইগলেম্বীবু কুমসিগী লোইবী হাউথা হরাওবদা তগোই শামিয়ভগে খন্নুনা ইত্তাবু কৌবা লাকচনি। পন্থৌনা নমোম ঐবু মুংশিংবিতুনা নুমিৎ ভয়ামত্তানিদদি থোয়নৌ মাগ লোইবী ইশাইকোন্দা চৈমিংরুগে হায়রক্লে। মমোম লকবী রান্দংনুংগী য়ারাত্ত রাখিরে। মপা কাইরেম্বগী ময়াথং ফংলবদা রান্দংমনুনা মতা লাইগলেম্বীবু লোইবী মশাইবোন্দা পুখি। হাওখা নিংথৌগী মনাক্তা লৈবদা চৈরাং মহুন ফারনোই লাইগলেম্বী ইবেম্মা মপারি অমা ফংজরে। মপারিগী কোলোয় থোঙ্গল তেনহৈবা মিং-থোন্নে। মপারি নাউরা অদিশকপু থোয়নৌ মতা রান্দংনুদা মবুক-থোক্তী মচাগুম লুনা চান্না তৌবিনা পাঙ্গল শরেপ ফাদ্রি ফাওবা য়োকলিয়ু হায়না চেকশিন্না শিন্নরমলগা লাইগলেম্বী ময়ুনদা হল্লকলে। নবুম য়ৌরপা লাইগলেম্বীনা পলেম মমাদা নমু তাইবংমীশকসু মান্দবা রাওবৌ শাশকসু নত্তবা নাউরা অমা শিনা ফংলে পাউদমজবা মমোমগী মীমশা য়ারাত্তবু থাজহুনা মমা মপা অনিদি হরাওত্তখি। রান্দংনুনা মপারি শক্তা রানা য়োকচবা খোঙ্গল তেনহৈনবা চহী ভয়ামত্তা গুরকপা পাঙ্গল শরেপ কারল্লবদা পুরক্লগা মতা লাইগলেম্বীদা শিন্নরে। মশাহিগা চেংলৌ শকমাম্নবা নুংশিরবা মপারিবু উবদা পলেম মমা লাইগলেম্বী মাদি হরাওত্তে। মপা ইথাই কাইরেম্বদি ইকায় নুংশি য়ান্নমা উনবি পুক্লিং থোয়শাত্তনখি। মহাক লৈরবদি ইকায়বা করয়োই শাউনিংবা কোক্লয়োই থলহুনা মপাগুম্না য়াবুসু য়াইবী মথন্নায় লৌনবা তরেং তরা থোক্লা রাখল তৌরক্লে। মপাগী মওং মতৌহু উবদা পান্নমা কৌশিং চাউবী লাইগলেম্বীনা মপারি থোঙ্গল তেনহৈববু কোন্না হাংথিগত্রা চিংনবনা মপাম্নিবু চেকশিন্না ওাক শেন্দুমা লৈখি।

নোংমা ইথাই কাইরেম্বনা থোঙ্গল তেকহৈববু লেমলৈ ত্তা ফাক্লসি হায়না হৌহুনা পুখি। পলেম মমা লাইগলেম্বীনা চৎলমদাইদা হয়েল মপুনা ঈয়াইনা ঈরুপপু হায়হুনা ঈরুপ্পা তায়বসু লুপকম অহুদা লৈরুহু

অত্তোপপা মফমদা চংথোক্লগা ফাউগৎলকউ। অদুম্না মপারিনা লোম্না হায়না য়াবা য়ারানা লোম্না, ফোংনা ওাওবা য়াবা য়ারানা কোংন হায়দুনা পূকমেন পাওমেন্নরে। মমাগী য়াথং ফংলবদা থোজল তেংহৈবনা মপুগা লোয়ননা লোও পায়দুনা ইল পুত্না লেমলৈ ডা ফাবা চংথি। ইথাইগী ঈরেল য়েরগা ইল হুনবদা ঈশিং মমু দা পন্দবা ইচবু পল্ল হায়-শিন্নদুনা ইথাই কাইরেম্বন মশু তেংহৈবদা ঈরুপকগা পল্লিংপা ইচংগী খোংজি লৌপোকলুচে থোদারে। মপুনা ইল পললি হায়রিবা মফম অদুদা তেলহৈবনা লুপথওগা আত্তাপপা মফমদা লেম্না ফাওগৎতুনা লৈরে। কাইরেম্বদি মশু তেলহৈবগী লৌশিংদু থওদবনা মানা লুপ-খিবা মফম অদুমক্তদা মথুংতা পায়রিবা লোওনা ফাওগৎচকপদা খিনগদবগী চাইদুনা লৈরিবদু তেলহৈবনা লাপ্পা উবে মপু থওদনা মানা অমুক ঈকণ্ডুনা লাক্লগা মনাক ক্লা ফাওগৎলকপদু উদা কাইরেম্বদি য়াম্ন শ উরে। ঈরুপংবু অদুম্না লুপ্লবদি কদায়গী অপনবা ইল লৌথোকপা য়াগদগে হায়বক্লে। ঐদি নহানিনা বরম্না ঈরুপ-কদগে থওদে ইপুনা অমুক্তা তাকশিয়ু মতুংদদি ঐ লুপকে হায়রক্লে। ইথাই কাইরেম্বনা মানা পায়রিবা লোও কদু মশু তেলহৈবদা শিন্ন-রমলগা অদুম্না লুপকদবনি হায়না ঈয়াইদা লুপথখি। কাইরেম্বনা ঈশিং মমুংদগী ফাওগৎচকপদা তেলহৈবনা মথুংতা পায়রিবা লোও অদুনা মপুবু নমদুনা হাংখি। মপু কাইরেম্ববু মশু তেলহৈবনা লোওনা নমদুনা হাংখি থওননবা মফম অদু ইথাই পুনমচীং কৌনখি।

অদুম্না মশু মপুনা রারী শানা শানা লেপ্তুনা লাকপনা লমকেম হিয়াংথাং হিয়াংতেক য়েরকপদা লমকেন মাগী মমিং থোনখিবগী রারীবু তম্পাকয়ুমহৈবনা অমুক লৌখিরে। নোংমা মোইরাং নিংথৌ উরা ওাঙোইবগী মদাইরেম লমু ওইবা থোংঙাই য়াংখুবনা পুরিংলাইগী সনা য়াথং পুদুনা লোকথা হাওথা নিংথৌ য়েনবাইবদা চহীগী লোই-পোং থোবা লাকই। মুমিং অসি লোকথা হাওথা নিংথৌদি লোইবী চৌংদা য়াওরৌ শাদানবা চংখিদুগা লৈরমদে। মোমদু ওালোয়

লংমাইচিং শাংদে ঙাইহনবীদা মতাঙ নিংথৌ কদায়দা চৎখিবগে হংবদা তা ইবুং ফমনাইবা নচলদি তবা চাক চাদ্রনা লৈরে ইমুংদা চঙ-লকতুনা ফম্বিরো হাযবকই। মচল শাংদে ঙাইহনবীগী য়ারাত্তু তাবদা লম্বু ওইবা খোংচাই য়াংখুবনা ইকায়বা হঙোইবা লৈতনা ইমুংদা চঙলক্লুনা ফমলম্মী। মশক মতৌ ফজবা কেগে ফমনাইবা উবদা পায়মা খোংজংনা তিল্লাং খোয়দাক্লরবোই শাংদে ঙাইহনবীনা মিৎয়েং নত্তবা য়েংদ্রনা ৱাঙাং চুমদবা ঙাঙদ্রনা ইবুং ফমনাইবগা নলে ঐগা পায়মা পুকতিন্নসি অপাম নুংশি ৱারী শামিন্নসি হায়রকপত্তু মতাঙ নিংথৌগী মায় য়েংদ্রনা খোংঙাই য়াংখুবনা য়াখিদে। মানা ইকায় ইকি ৱাংমা লাম্না হায়জব য়ারাত্তু য়াবিদ্রবদা ইকায়বা ফংবদগী শাউদ্রনা লম্ব ওইবা খোংঙাই য়ংখুববু য়াইবী মথরায় কৌগে থক্লক্লে। ইতাও হল্লক্লে চৎলগে হায়দ্রনা খোংবল্লগা থরাই খোঙ্গাল ৱাংমা হেক লানবগা লোকথা হাওবা নিংথৌনা শাদানব, হল্লকপগা লম্বীদা থেংনরে। ইতাও ইবুঙো তরা চামিন্নখিসি ৱাংলৈ অথুংনা থকমিন্নখিসি হায়না মতাওবু মরানযাইদা পুশিল্লরে। লোকথা হাওথা নিংথৌগী তাকোয় শাংদে ঙাইহনবীনা থক্লবা ৱাংলৈ অথুম্বা পুখোরবপদা মোইরাং ফম-নাইবগী থক্লবা ৱাংলৈ থুংনা হু হাপ্পা পীরে, মশাবি হাওথা নিংথৌদনা ৱাংলৈ অথুম্বা পীবে। ইতাওগা ৱাংলৈ যু লাননদ্রনা থকমিন্নদবা কুইরে হায়দ্রনা মতাও ফমনাইবগী য়ু অত্তু মংনা লৌবগা থক্লে। মত্তু উবদা শাংদে ঙাইহনবীদো হায়দোকপস্থ যাদা যেংদুনা লেরে। হু য়াওবা যু থকপুবদগী লোকথা হাওথা নিংথৌদি থুদক্কা যাইবী মথরায় থারে। মত্তু উবদা মোইরাং ফম্নাইবত্তু ঙক্কনা মতাংবু শংত্রিক হেংলহগা কিরক্কনা চেল্লে। মশাবি লোকথা হাওথা নিংথৌদো য়াইবী মথরায় মাঙলবদা পুকচেল ফত্রবী শাংদে ঙাইহনবীনা মরোই লোইবী হাওয়াম কৌরগা মশাবি নিংথৌবু মোইরাং ফম্নাইবনা লোই থৌবা লাকপদা য়াইবী মথরায় লৌরে হায়না কপ লাওদ্রনা য়ুমথোং থুংনা চেন্দুনা পাউজেল্লে। শাংদে ঙাইহনবীগী মীকপ মীয়াওখোল তাবদা লোইবী

হাওবাম্মা মথুংতা তা পাবগা লম্ন্ ৺ইর' থোংঙাই য়াংখ্রবু য়াইনা লোগদবগী তান্নরক্লে। হাওয়াম্মা তান্নরব্রবদা থোংঙাই য়াংখ্রবনা মখুম মোইরাং পাংনা চেল্লক্লে। লানজদবা মনাইগী অহাবসু থাংজীংনা তুরদুনা য়াইবী মথরায় কনবিগে থক্লদুনা লাইজ ঈপাক লান্দগদবগী চেন্নকলিবা মমাইগী মমাঙদা চাউরবা হিয়াং হিরেন অমা পাক্লবা ঈশিংগী ঈয়াইদা কৈগাক কৈনা তাউদুনা লৈহল্লে। থোংযাই য়াংখ্রবনা হরাওনা হিয়াং হিরেন্দা চোংথদুনা ঈপাক অদু লাংগোক্লগা মোইরাং তাল্লা চেনখি। মাবু তান্নরক্লিবা লোকথগী হাওয়ামশিংনা হিরেন তান্না চেন্থবক্তুনা হিন্নুং যৌবদা হাওয়াম লেপপা চননব হিয়াং হিরেন্দু অসুম অসুম শাংতোরকলে। হিন্নুং অদু শাংমনহিংনা হাওয়ামদুনা হিহু লানবগী লোইবা লৈত্রে কংফানযৌবা ওমত্রে। লোইবী হাওয়াম পুম্নমক হিন্নুংদা পুন্না লৈববনা হিয়াং হিরেন অদু মরাইদা তেক্তুনা লোকথা হাওখাগী হাওয়ামদু লাইজ ঈটোলন্দুদা য়াইবী মথরায় থানখি। কোরৌ ঙমিং অতুদগী লমলেন অসি হিয়াং হিরেন থাংদুনা লৈরম্বগী হিয়াংথাং কৌনখি। হাওয়াম্মা থোংবদা হিয়াং হিরেনদু হিয়াইদা তেকই হায়রগীসু হিয়াংতেক হায়নসু থহনৈ লমলেন অসিগী অপুনবা মমিংবু হিয়াংথাং হিয়াংতেক কৌই।

অসিদগী মতু মপুনা লেপ্তুনা অসুম লাকপনা হারমান চীংজেন য়েংওইনরে, পুকশ্রি লাইকোল যৌরক্লে। লমলেন অসিগী মমিং পুকশ্রি লাইকোল থোনখিবগী রাবীসু তম্প্যাকয়ুমহণ্ডবনা লৈরকই। নোংমা হাওখা নিংথৌনা মখোম রাঙ্গংখুগা লোয়নন। লোইবী পামদৌ য়ানবা চংপদা উতংদা হাগুনা পুরকপা রাংলৈ অথুম্বদু উজাউদা ওাবদা হৈদোকলে। মপানা মমুমদগী য়ু অমুক লোক্লয়ো থোদারবদা রাংন্দংদুনা মপাগী থক্লবা রাংলৈ অথুম্বদু মমুমদগী লোকরগা পুদুনা লাকপদা লম্বীদা মহাও য়েংগে থন্নদুনা থজিক্লং থকপদা হাওমনথদুনা থরা থরা থকপদা লোইথোকখে। য়াংলৈ অথুম্বা মুহু য়ান্না থকমনংগী মপাগী মনাক য়ৌরকপদা মবুক কংথুৎলকলে। মহু উবদা ছুংশাথোদুনা

মপা নিংথৌবা মমোমগী মরক্তু অমুক হন্না কংথংজনবা তিরেন লীনা শীনবা থংনা য়েংথুনা পুনশিল্লি মমোমগী মরুকপু লীনা শীনবা থংনা পুনশিল্লি হায়নগী মফমগুদু মলেন পুকশি কৌনখি। নোংমা অমনা মপানা পামলে যানবা ংপদা থোইরেন থোইগী থোইহি লোক্তুনা পুরকই। মপানা ৎমহিক্ক পীংদা থোইহি অদু মমোম্না তন্না চাদবমথৈ মরুক থন্না থকচিল্লে। থোইহিনা ওনবা তিতশিং অদুনা মরুক মন্নংদা লৈদুনা নোংমা নোংমগী খিদোং থিমিন চাশিন-লকপগী রান্দংমুর মমুং মতম চাদনা য়াইবী মথরায় থাল্লে। মমোংগী য়াইবী মথরায় য়াওব্রবা হকচাং পোক্লা অদুগা থোইরেল থোইহিনা ওনবা তিতশিং অদুগা পুন্না কোম মনুংদা ফুমহিল্লে। কোম অদুগী মখক্তা লাইশঙ অমা শাদুনা থমই। মমাংদ রান্দংমুনা য়াইবী মথরাক্ক থাদুনা লৈরোল চনখিবা মফমদু পুকশি লাইহোল কৌনখি। পুকশি লাইহোল লাম্বাক্তুনা লাকপনা খুমন পোকপা অপোকপা নোংমাই পোকপা হৈবুধোগী মশাইহোল য়ৌরবদা থোইবী খমন পোকপবু থংক্লমল্লে। খুমন পোকপবু তুংগইননা থনমলগা মনুংশোই চীংজেন য়েংগইননা লাকপনা শরিক কোনজিন য়ৌরল্লে। শরিক কোনজিন লাল্লগা মোইরাং থাংবন য়েংগইননা লাকপনা তোকপা য়েনখৈচৌং য়ৌরকপদা লোইবী মাবু তোকপা য়েনফৈচৌং কৌখিবগী ৱারীদু খুদক্তা নীংশিংলকুনা ভম্পাকয়ুমহঙবনা লীবিরকই। নোংমা উমুনাই শোই-শেনবগা অতৌবা তোয়াবগা অনিনা চীংয়াদা চেক্তিবা ঈশিং থোংদা মু খংমদুনা তা কায়খী। মোংমদি অতৌবা তোয়াবনা লু কাইবা লাকপদা মাগী লং অদু কংফাম্দা চিংথংতুরা থনমলে। নুমিৎ খুদিংগী দি তানা পীক থন্না য়াওরম্বা লুদু তা অমংক্তং হাওরমম্ম উবদা অতৌবা তারাবা শাউদুনা নাকম্দা য়াল্লিবা থাঙদু তোথোক্লগা উমুনাই শোই-শেনববু থানা য়েংলমলগা ঐগী লু কাইবা মদু মক্ক থঙকবদি তা ককপা অমুম্না তাংজ লুয়েন ককদবনি হায়না থাঙনা লদা চঙলম্বা তাদু ককথংলে। অতৌবা তোয়াবগী রাঙাঙ মাঙ্গী মিংয়োং নায়োং অদু

উবদা উমংনাই শোইশেনবহু শাউহুনা অঙোবা তোরাবগী মনাক্তা লাকপা নহাক্না ঙা হাংপা মতমদা ঐঙোন্দা কবিগী খানা য়েংলমঙিবনো হংলক্রে। মখোয় অনিনা উপিং থঙাইন্দবা রাঙা'না চৈ থাংনরমলগ নম্মহুনা কুনরক্রে। অহানবদদি উমংনাই শোইশেনবনা লাকচরম্মী মমৈ-থংদদি চহী মশীং যাম্বনা মপান্দ্রল ময়েং তারক্রবোই ইনথংলক্লিবা পাথং অঙোবা তোরাবনা লাকচরে। উমংনাই শোইশেনববু নমলগ মবুক্তা কমহুনা নাকন্দগী থাঙ শংলগা মাগী তাংজ লুরেনতোনবু কক্রে উমংনাই শোইশেনব খুদক্ত' য়াইবী থরায় থারে। মাগী তাংজ লুরেন-তোনবু পুবগ অঙোবা তোরাবনা চোই লাউর লাউরহুনা মথুম তারা লাকলে। মতম অসিদা উমংনাই শোইশেনবগী ভ লোয় মকর্ব না মপু-রোইবা হন্নক্তে ঙা য়াম্না কাবমানে থন্নহুনা তরা চয়োম পুরগা লাকপদ লম্বীদা অঙোবা তোরাবগ থেংংরে। মপুরোইবগী তাংজ লুরেনতোম্মু উবদা মুরা মাদি প থংহুনা কপলে। কবি মরমগী মহত্ত' ইশাবি উমংনাই শোইশেনবগী য়াইবী থরায় কৌরিবনো হংবস্থু থুমমদে। মশাবিগী তাংজ লুরেনতোম্ম পীরম্মু হায়বস্থ অঙোবা তোরাবনা য়াদহুনা চংথি মোমম্থু লাইবকচাউবদো কপপা মথৈ কল্লুবগা হায়কম তৌকম থঙ-দহুনা মশাবি মমান্দচাগী য়াইবী থরায় য়াওক্রবা শমু হকচাং তারিবা মকম অহু তারা চন্নক্রে। ঈগাং পাকতহুনা ঈমু পামক্নো ঈথং মরক্তা চংবী লক্সু মহুপকুম তারিবা মশাবিগী থরায় য়াওক্রবা শমু হকচাং অহুবু কোল্লগা নোং খোংনগুম কপলক্রে। অম্নুম্ম' ঙাহাক কপলুবগা মহাক্না পুবকপ' তোকপা য়েনকৈগ: তরা চ'কবা থোমচকপা চায়াম অহু লোইবী চৌংথক্তা তিংখোকলগ: শাবিগী য়াইবী থরায় মঙাংক নখোয়না ঐনা পুরক্লিবা তরা চয়োম অসি চারো। ইশাবি উমংনাই শোইশেনবদি য়াইবী থরায় য়াওক্রবনিনা তরা চাউথকই য়াক্লে হায়না মোমম্থু তালোয়না হিক্না হিক্না কপহুনা মানা পুবকপা তরা চয়োমঅহু লোইবী চৌংথক' থারে। তোকপা য়েনকৈনা য়োবা তরা চয়োম্ থাই হায়বগী চাং অহু তোকপা য়েনকৈচাং কৌনখি। তোকপা য়েনকৈচাং

ওই-ওইননা লাকপনা মুংপাকথাবী য়ৌরে। মুংপাকথাবীদগী মোন্দুমচীং য়েংওইননা লাক্লুনা মরাম্বা খোং লাক্লগা রাহৌবী য়ৌরে। রাহৌবীদগী লেপ্পুমা লাকপনা মৈনম্বা থ্ৰমখোং য়ৌবদা মশু মপুক্তু রারছুনা ওাহাক পোথাবদা লমলেন মাদি লমন্নু শি মৈনম্বা থ্ৰমখোং কৌখিবগী হৌখিবা রারীবু তম্প্যাকয়ুমহঞ্জবনা লৌবিরকই।

নোংমা মোইরাং নিংথৌ কাংবা পুরাননা মতাও হৈরেম নিংথৌ মরান্বগী মমুমদা কোইরকই। মতাও হৈরেম নিংথৌগী চাউ শাংনা কজুরবা লাঙ্গোই শামু হকচাউবহু উবদা পামলে। মোইরাং নিংথৌনা ইতাওগী খোঙনেংশা ওইরিবা লাঙ্গোই শামু অসি ঐঙোন্দা পীরো ঐগী খোঙনেংশা ওইজরগে হ'বরকপা মতাওগী রাম্থু হিক্কোকপা ওমদহুনা মরাম্বনা ইতাওনা পামজবদি পীগে, নুমিৎ-থা অকবা অমা য়েংলগা লৌবিরো হায়রক্লে। নোংতালগা শামু পীনিংলক্তুহুনা হৈরেম নিংথৌনা চাউরবা কোম অমা তৌবগা মথক্তা য়ুম শজিল্লে, কোম মমুংদনা শামু লোৎতুনা থমলে। মোইরাং নিংথৌগী মনাইশিংনা শামু কৌবা লাকপদা হৈরেম নিংথৌনা ঐগী শামুদি ওরাং অহৌং নাম্বোকতুনা চেনখ্রে, মী থাহুনা খিহনখ্রি, মতম থরা লৈরগা লাকউ হায়রে। হৈরেম নিংথৌগী য়ারাম্থু মোইরাং নিংথৌগী মনাইশিংনা থাজদহুনা নিংথৌদা হুনংলে। মনাইশিংগী য়ারাম্থু তাবদা নিংথৌ মশামক মতাও হৈরেম নিংথৌগী মাক্তা লাকলে। মতাওনা শারিবা অনৌবা য়ুমহু উবদা কনাগী য়ুমনো হায়লকই। ইতাও ইবুঙো! মসি মী লৈনবা য়ুম নত্তে, থ্ৰমখোংনি থুমলৈ। য়ুমগী মমুংদা শামু লোংলি থজলহুনা ইতাওগী শামু লৈত্রবনিনা শামুগী মহুৎতা থ্ৰমখোং অসি ওইনা পীরো হায়রক্লে। মোইরাং নিংথৌগী য়ারাম্থু হিক্কোকপা ওমদহুনা হৈরেম নিংথৌদো য়ানিং হানিংদনা পীখোক্লে। কোমগী মথক্তা উপাক হারপা মথক্তা মৈ হৌদুনা থ্ৰমখোং শাজিন্নবহু মৈনা উপাক চাকপগী মৈনম ফ'বদা মোইরাংগী অঙম অথৌশিংনা হৈরেম নিংথৌগী থ্ৰমখোং অসি মৈনম নম্মী হায়না তাঙ-নবদগী মকমহু মৈনম্বা থ্ৰমখোং কৌনখি। থ্ৰমখোং শিবদা কোম মমুংদা

শায় লোৎতুনা থনম্বহ্ৎ থেংনরে। মোইরাং নিংথৌগী হয়োশিংনা থ্মখোং লৌবদা শামু ফংখি, হৈরেম নিংথৌদি খইদবা ভাগ্যবতী ইকায়বা ফংখি। অসুম্মা মশু মপুনা রারী শায় শারহুনা কেপহনা লাকপনা মৈনম্বা থ্মখোং লাপ্লগা লময়েংচৌং থোরে, লময়েংচৌং য়েংওইননা খোকহৌবীনা ওই-ওইননা লাক্লগা মৌবীখোং কাপ্ল, নাইথোং শেকপী য়োরে। রাইথাংদগী থ্মপৈম্বা থ্মলৈমদগী লৈম চৌংজেল লাপ্লগা ফান্দু গোকমাঙ লাক্লুনা মচিন মনাও চৌংলক লাক্লগা চোম্না পোকপী য়োরে। চোম্নাংপোকপীদগী সেকমাই তুরেল লাপ্লগা হৈত্রে ইপোকপী লমডাউ ওই-ওইনন লাক্ল্না ঈরুম খোংমৈ য়োরে। ঈরুমখোংমৈ লাপ্লগা লেম্বা লবুক শমহুনা লেপ্পুনা লাকপনা কবো খরবান ফংলে, শেন্থি ককমাং ভারে, তুম্ম্রাকপগী মশাইকোল য়োরে।

শেন্থি কবো নৈবাক থৌরবদা রাঙ্গোন নিংথৌ চৌংথু নহা তেকহৈহনা পীরকপা চেতম অহু তম্পাকযুমহঞ্জবনা কোয়েং লৌথোক্লগা মহক্তা হাপ্তুনা তুম্মুর কপদা কংলে মতাওনা পীরকপ চেতমহ কাক্তোক্লনা পারে। “ইতাও ইবুঙো মুংশিবা! ঐগী অমত্তা পোকপী কাংলন থোইবী অহু মপা ঐনা হায়বা ইন্দবদগী রারক্লে খন্দুনা ইতাওগী ননাক্তা মতম খরা লৈরুনবা থাখিবনি। ইতাওনা পোকপা নমোম্মক্লি খনবিহুনা হৈনবা শিংনবা রারকপিয়ু।” মতাও রাঙ্গোন নিংথৌগী চেতম অহু পারগা তুম্মুরাকপনা হরাও তয়াম্না থোইবীবু ময়ুংদা পুশিন্দুনা মমোম লাংলেন শন্দ্রিক চনিংখোম্বী কৌথোক্লগা মতা শাম্নৌ মুংশিননা চান্ননা লৈমিন্নৌ হায়না শিন্নরম্মী। মশক মত্তৌ চঙখোনবী য়েংবগী পেনবা নাইদবী থোইবীবু উবদা শন্দ্রিক চনিংখোম্বীনা ইতা হায়না কৌহুনা থোইদোক্না পুনা চান্না তৌবিখি। মুমিং অহুদগী হোৌনা মখোয় অনি থোয়নৌ মতা শান্নহুনা লৈমিন্নখি। অসুম্মা থোইবীগা শন্দ্রিক চনিংখোম্বীগা পুকচেল হিন্নুনা পুনা চান্না লৈমিন্নরকপসি লোইদাম থাবুম ফাজিন্নকপদা মবুক মপাউ কয়দা শন্দ্রিক চনিংখোম্বীদো খঙহৌদনা কন্ত পুকচেল ওন্নক্লে থোইবীগী য়েক্লবা ওইরকলে, মাপী মাঙনবা

শিন্নক্লে। কবোগী পাখং লৈশাবী চম্ব নিঙোলশিংনা য়াঙাও য়াঙা কজবী লমচং শাজং চত্তখোনবী থোইবীবু লুনা শান্না তৌবা, মাগা পুক্তেল থোয়ুেম্নেল তিন্নাফপ যাংনা মীরায়রকপা উবদা চনিংখোম্বীগী মপুক্কিংদা নাইমু কিশি কিখি। মতা ওইবগী সুংশিন্নবা য়াখল খা-দোক্লুনা মীনাইনি খন্দুনা উশিন্নবা য়াঙাংগা লোয়ননা মীয়াম মমাঙদা চৈ হনগে লীংলক্লে। মপাগা য়াখং লৌরগা কবোগী পাখং লৈশাবী-শিংগা কাং শীংনবা হৌরক্লে। চনিংখোম্বীগা সু শিনবা লৌনা লৈনসি শিংনরিবা কবোগী অকম্ম অথৌ ওইরিবা তবিংবগা য়াম্নাম্নদুনা কাং শান্নবদা থোইবীবু মীয়ম মমাঙদা ইকায়বা পীনবা লোম্না শরৌ শীম্নরে। কবোগী কাং হেনবা পাখং নিঙেল মথৈ থোক্লগা থোইবীগী কাংখুং ওইহল্লে, কবো পাখং নেনেববু পল ঙাবহল্লে। শঙ্গিক চনিং-খোম্বীগী কাংখুংতনা কাং হৈবা খনগংনগা তবিংববু পল ঙাকহল্লে। কাং শান্নবা হৌরকপদা থুনফম্না কাং হান্না কাম্না হৌনবনিনা থুনফনগী কাং তোংলিবী চনিংখোম্বীগী কাংখুংনা কাং কাম্না হৌরে। কাং শান্নবদা হৈ-শিংলবা মথুং চুম্বদা শীংখানরিবা চনিংখোম্বীগী কাংখুং-তো সুমিংতুদি কাং অমতা পানখিদ্রে, পল ঙাকপা তবিংবা ফাওবা চোম্না নংলে। থোইবীগী কাংখুংতা য়াওরিবা কাং হৈতবা কাংবুদো কাং কাম্নদা ফজত্রবস্থু মথরায় য়াওবনিনা কাংদি অওবপা ফংনা পানখি। কাং তোংলিবী থোইবীনা পুখংলকপা কাং অছু পল ঙাক্লিবা নেনেবনা মতেঙ পাংদুনা থোইবীগী কাংখুংনা কাং থোইরে। মতা চনিংখোম্বীনা কাং পোম্নবদা থোইবীগী মপুক্কিংদা সুংনাংবা পোকখি। কাং পোম্নবদা চনিংখোম্বীদি অচাকপা হৈরিঙম, মহু পুবা লিনগী মতৌঙুম অশাউবনা মাঙওইনদুনা সুমিং তাশিন্নবা কাওবদা কাং শাম্নবা তোকসি য়াখিদ্রে। পাউ অসি তারদুনা তুম্ম্রাকপনা মনাই থারক্লুনা খুদক্তা কাং শাম্নবা লেপ্নবা য়াখং পীরক্লে। মহুতদা চনিংখোম্বী কাং শাম্নবা তোক্লুনা মমুমদা হনখি। ইকায়বদগী মহাক সুমিংতুমা চান্না হেল্লে, সুংঙাইতবা য়াখলনা তুম্বা চাবা চঙখিদ্রে।

কাং শান্নবা মকুংদগীদি চনিংখোম্বীনা থোইবীবু মতা ওইবগী য়াথল থাদোক্তুনা অরৈব মীনাই অমগুম লাকগে খল্লে। মচিন্নাদি ইত্তা কৌশিল্লবগী মপুক্কদি যেক্লবনি নী'লে। নোং হেক তানবগা চৌদা কাহ্নুনা শীং চল্লুচো হায়রে। নোংমনা পাংতা কুমহ্নুনা লেমলৈ তারম তাল্লুচো হায়না লোং ভুঙ্গোল পীহ্নুনা থোদারে। নোংমা অমনা লবুক লমহাংদা হৌবা য়েল্লাং কেংতোই হেকলুচো চমথৌ য়েনশাং চাসি শিন্দারে। অম্বুম্ন মুমিং খুনিংগী মিকুপ অমত্তা পোত্থাহল্লনা থোদারবস্ম মপুকচেপ ফাহ্নুনা থোইবীনা য়ায় হায়দনা মাই শোন্ননা চনিংখোম্বীনা পীবা শিন্দা পুম্নমক কায়দনা পাংথোকই। য়ামজেম ইয়াইদক্লা তম্বনি খন্দুনা চিংগু থাংজীং লাইবু চেংনা থাগোচহ্নুনা অহাবা শরুক য়ারক্লে, অয়াম থোবা'বা থাংলকক্লে। য়াসপ্প নংসপ্প পীবা শিন্দা পুম্নমক থোইবীনা করিম্নু থোশাদনা পা'থোকপত্থ উবদা চনিংখোম্বী নীংবা কায়রে। নোংমদি থোইবী কৌরগা শিনৌ লশিং মোইথাপ মপুস অমা পীহ্নুনা মসিনা লং নাইরগা হয়েংগী মুমিংতা চরৈ ফিবুম অমা শারগা পীগদবনি হায়রকলে। মতা চনিংখোম্বীগী য়ার'হু তাবদা ফাগী ওইরবোই খন্দুনা থোইবীনা মোমেন নোরগা ইতানা ওসি নত্তাদা পীরিবা শিন্দাসি ইত্তানা ওমলবদি নত্তাদি চরৈ ফিবুম অমত্তা নত্তে ফিবুম অনিহুম পীজগে থুমলককলে। থোইবীগী য়ারাহু তাবদা চনিংখোম্বী শাউবনা মমিং ঙ্গ কারককলে। মীনাই ওইরগা মীনাইগী শিন্দাদি শুগে খন্দনা মপুম্মী চিন্নক্তা থুবা শাই। নচৎ অহুনদি নুংবু পোকপা নপানা মশক মত্তৌ ফজবা ইনাক কৈরাক থুনবা অয়াং অপা থৈলত্তবা অঙোম নোংবান কোংয়াম্বদা থাজববু থৈম্মু য়াদহ্নুনা পেক্কা চউদ্বা, চগেম্না লেংথোনবা লৈকায়গী অনিবা চেংতনা মপাঙ্গল চাউ- রকপা অরায়বা চরৈ ফি শেং-চাবা পিত্তং পাত্তংপা লায়রবা লমজা থবদা লৈগনি হায়রুবদগী কবো ইলৈবাক্তা মীনাই ওইনবা লোই থারকপা নত্রদো হায়রক্লে। মথরায়দক্কী হেম্না লুনা মুংশিনা থমজবা মবুঙোত্তোন থবরু পিত্তথ পাঙ্গংপা লায়রবা লমজা হায়রকপা চনিংখোম্বীগী

উশিং থওইদবা রাস্তাংতু ভাবদা থোইবী খাওহুনা লৈথোকপা হৌরক্লে। অচাকপা খাম্বী মৈদা অকংনা পাম্মেল উনা লংশিনবগুম অশাউবমা মাঙওইনহুনা শরেল নোংশা আমামগুন থৌনাফরবী থোইবীনা খঙ-হৌদনা চোংশিনগদগা চনিংখোম্বীগী মখজাই মচিনবানগা পামনা খুবাক্লা ওম ওন্দুনা খাদদা মচিনবান কায়রে, ময়াদা ঈ থোকলে। নামনখুনা চনিংখাম্বী কপ্প কপ্লহুনা মপা তুম্মুরাকপগী মনাক তাম্না চেনখ্রে। মতম অসিদা পাইরক্পী লৌশিং চাওবী থোইবীদো তুমিন্না লৈথোকপা ময়াক্রুহনা থোংবান্দা হৌবা লম্বাল মকা অমা হেক্লগা মনজন্দা মত্তোমদা ফুজরে। কজরব মনজন অমু শাজৈনা ফুংগুম মরী মরী পোমলে। মহু উবদা থোইবীম্ব তুম্মুরাকপগী মনাক তাম্না চেল্লে। মনজনদা পোমলিবা চৈকম অহু তুম্মুরাকপদা উংলগা র মচেং অমতা ভাঙদনা মরু লুক্কুনা হিক্লা হিক্লা কমা হৌরক্লে। থোইবীগী মনজন্দা পোমলিবা চৈকমহু উবদা তুম্মুরাকপা মুংশা খীবগা লোয়ননা চঙ-শিল্লক্কুনা ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, থোইবী য়ারৌগম্ব। নত্তা চনিং-খোম্বীবু শাউনিংলবস্ম ইপাগী মায় য়োংহুনা ইমোম কপলগম্ব পুবখা লিনখা থারগম্ব হায়না থেম্বা হৌরক্লে। ইমোম অনিনা করি য়াহৌদগী লিঙাই শংদাম্নহুন খৎনরিবনে হংলকপদা শিনৌ লশিং মোইথাপ মপুল অমনা লং নাইবগা হয়েগী সুমিংতা চয়ৈ কিতুম অমা শারগা পী-গদবনি হায়না মত্তান পীবা শিন্থহু থোইহীনা তুম্মুরাকদা তমলে। তুম্মুরাকপনা শাউহুনা মমোম চনিংখোম্বীবু চৈহুনা য়ারকপা অদু ভাবদা থোইবীনা মত্তাগী মরাল ভাকপিন্নু হায়জখি। "ইমোম অনিমক! ভসিদি ইপা শিন্না পীগে। ইপাগী লনগৈদা চঙহুনা মুকি মুগাগী লংখলশিংদগী নশা নশানা পাম্বা লং খল্লগা ভসিদগী সুমিং তরেংদিগী মহুংদা চয়ৈ কি অমমম শারগা ইপাদা পীগদবনি" হায়রক্লে। মপাগী য়াথং ফংলবদা থোইবী চমিংখোম্বী চঙখিহুনা মানা মানা পাম্বা মুকি মুগাগী লং খল্লগা পুমরক্লে। নোংহেক ভানবগা মথোয় অনি তামবগী মওংদা লং নাইহুনা চয়ৈ কি শাবা হৌরক্লে। থোইবীনা সুমিদাংদা

লংচাক চারূপা অহুক হুংখিন্দা চৎলৈ কি শাই। মোংমা হুয়িদাংবাইদুম খোইবীনা ইয়োং শন্দা কি শারিদৈদা অরাম্লদগী হুংম্বিরবা বাংশিগী খোয়েলনা থাদোই থাদোই কোরকপম্ভ ডাবদা খোইবী কক্না ডমাং তান্না খোয়রক্লে। কয়দা খোয়ুম লাইনা লৌনম তৌদুনা খোইবী ঐবু চোপহনগে খোরাংশিবনো মপুক্লিংদা থয়কলে। লাদোই শগোল তোংদুনা থবনা মবাই কৈরোইডাখগা লোয়ননা শেন্থি কযোদা শাই-দাংখিগী খোইবীগী লৈকম থক্তলক্রুবদা পাথ'গী হুংশিরবা খোয়েলনা ঊৈশ শক্না থিরকলে।

লৈমকোল্লা চাক্কাবী
নিংখৌ কোম্দা য়ারেকপী
পোম্বী চাখি ফুনানবী
নপাম লমদম তুংওইনা
শেন্থি মীলমদা পাইরিবী
কায়না মৈশ। লাংলবা
নপাং চেক্লা ঐখোয়না
পোম্বী চাগুম চিক্লোকনিংববু
চেক্লাগী চাক্কাকম থক্তদবদা
পোম্বী ককতাওনরে।

শকলিবা ঊৈশগী শৈশক্তু তাবদা নবুতোতোম থবনা মাগী লৈকম থক্তদহুমা থিরিবনি থক্তলহুনা খোইদীনা কৌত ঊৈশ শৈশক্না হুমাগী লৈকম তাকলক্লে।

হয়ুম হে হয়া হে
কুমনি কুমনি থায়া লোংথা
য়াবা চেংজেন কুমনি চয়োই লোই
চয়োই লোইনা কাউনিদে
মীগী মচা লমলাকপা
হুংশি চয়োই লোই।

অদুম্মা থোইবীনা কৌত্র ঊশৈ শকুনা মাপী লৈফম তাক্লকলবদা লম্ক্লবদা কৈরোইজগ্মা খম্ব মশেল মবাইদো হয়াওনা লাজোই শগোল থৌজিল্লক্লে। পায়মা লৌশিং চাউবী থোইবীমা মাগা লোয়নবী মনাই-হুবী অহুবু নাকল থোঙ হাংদোকহল্লগা খম্বু কৌশিনহল্লে, যৈরোই-জান্নদি মপান্দা লাৎকনা তাইহুনা লৈরে।

লোইদাম থাবুম অনিমং ঊনদবদা চহী কুমজা কয়া কায়নবগুম রাক্লবা শাবি শানৌ অনিদো ঊনবক্তদা শংত্রেক য়েংনহুনা লৈরে, মিংলু তবং লাইস ঈমাহৌ পাক হেক কৌনবদি চমুখিদে। চজাইবেন্দুনা শেখি কবো মীলৈবাক্তা চাবা মথাক নাই তুম্বা মচেং থাঙনা রানা মুবা পুক্তি লেনগহু খল্লবদা ইমুম কেগে মোইরাং লৈবাক্তা লৈরবসু পাখং পায়মা মুংদা পোত্থাকম খঙদে, তুখা চাবা চঙদে” হায়রকপা মবুঙোতোন খম্বগী মারাহ তারগা থোইবী মোমোন নোক্তুনা পাবংগী পুক্লিং কাক্লে। শেখি কযো মপুংম্নাইদা মীনাই নাইথাং ওইহুনা অরা-অমা তুংওইমনা চাবা মথাক নাই তুম্বা মচেং থাঙলবসু শাবি নঙংলোংঙৈনি মুংশি নহাকথকীনি খল্লুনা ননাও লাইবকচাউবীনা মারবস্তু রাদে মুংতাইত্রবসু মুংতাইরি খজহুনা ওসি কাওবা নিঙোলনা হিংহুনা লৈজ-রিবনি। অসুম্মা শাবি শানৌ অনিনা হিক্লা হিক্লা কপমিরহুনা মপুক্লিংগী রাকম কয়াবু কোংদোক্লবহু রাংলেন পুক্তা কাক্লবদা থরাই থোজাল রাংমদা মশেল খম্বু তাইরিবা কৈরোইজান্নবা বাঁশি থোংহুনা কৌ-থোক্লে। মবাইনা কৌরে খঙলবদা খম্বনা মশানৌ মনেম্চ.গা মুংশি পুকমেন পাওমেমরমগা থ্ন্না য়াঙনা মপাল থোক্লে। মশেল মবাই অনিদো লাজোই শগোল তোংহুনা অহৈং অথেংবদা মমুম মোইরাং পাংলকলে।

ইমুং হেক ঙানবগা মপা কুম্ক্লাকপনা পীবা শিম্বা তুংওইরা চরৈ কি শাবদা থোইবী পুক্লিং চঙলকলে। চিংঙ্ খাংজীং লাইবু মরাগী থম্মোরমুংদা চেংনা থাগোমজরগা মুমিং শিংবুম তক্লি চুম্রা শাবা চরৈ কিহু কিবুম কাহুনা ককলে। তরেংদি তুবগী অমুক্তা অরা

চাকঙল চারগা খোইবী চনিংখোম্বী খোয়ৗনৌ মতা অনিনা মপাদা চরৈ
ফি কংপা লাক্লে। চনিংখোম্বীনা শাবা চরৈ ফিদি ফিনা ফিয়োম
নাইমা য়োমশিল্লগা মপাদা কংলে। খোইবীনা শাবা ঙাশাবা ময়েক
খোকপা চরৈ ফিদি রাগী উত্তোং মনুংদা হানজিন্দুনা পুরক্লগা তুম্ম-
র'কপদা কংসি। লাইজ ঈয়াইদা লেমলৈ ঙানা ঈরোইদুনা শাম-
কণ্ডম কত্রং ল'লানা হংতুনা শাবা চরৈ ফিদু উহদা তুম্মরাকপ'
ঙকপদা থেংথ্রে। চরৈ ফিদা হংলিবা লেমলৈ ঙাদু লাইজ ঈয়াইদা
থাদোকলবদি ঈরোইদুনা চংথিগদৌবোই নৗংই। 'ইপাগী লাংলেন
খোইবী! নহাক্না শাবা চরৈ ফিসে পায়মা খোরজানা পামলে হায়না
খোইবীবু থাগংলি।" মুখিং অতুদগী তৌনা তুম্মরাকপনা খোইবীবু
অচম্বা নত্তে লাইরেম্বীগী শাইওননি খন্দুনা ফিনা নুনা চান্না থমখি।
মপানা খোইবীবু নুনা চান্না তৌবসি উবদা শক্লিক চনিংখোম্বীগী
মপুক্লিংদা খোয়শাউরক্ম্নু মপাদ্ ফিবংগী রা মচেৎ অংঙা ঙাক্কবদি
ঙমখিদে। মুখিং অতুদগী হৌনা খোইবী মা দি শেম্বি কবো মীলৈবাক্তা
তুহ্না চাবা মনীং থ'ংনা লৈরবম্ম মুরাগী খম্মোয়মুংদা ওমচাররিবা কাম-
নবগী থাম্বী মৈচাক্তি মুংপা ঙমখিদে।

মপাবুংগী য়াথং পুদুনা খোইবীনা শেম্বি মীরৈবাক কবো পদা'-
খো দা লৈরকপা লোইবাম থাবুম অহুম কাজিঙ্গরবদা চিংঙ্ থা'ক্তোং
লাইগী ময়াথং তুংওইনা অয়াং লৈমা পাম্ভোইবীনা রাজোন নিংথৌ
চৌংথু নহা তেলহৈবা অমদি মমা তরামাখোইগী খোমলেন মঙ্গলানচান্দা
মযোম লাংলেন খোইবীনা অমোংপা চরৈ ফি শেংদুনা থ্যাংচেৎ মচি
লাংদুনা চৌংদা কাদুনা শীং চনবা পাংত্তা কুমদুনা লেমলৈ ঙারেম
তান্দুনা অরাবা চৈনা থাওলিবদু উহমবদা মমা তরামাখোই মিকপ
খোরকপগা মখোল থোক্না লাংলেন খোইবীবু কৌদুনা তেংথানরক্লে।
পলেম মমাশিংগী মীকপ মীয়াওখোল তাবদা রাজোন নিংথৌ মাম্ম
খোমলেন মঙ্গলানদুনা মথরায় চুংঙাইদনা হৌগংকদ্রগা রা মচেৎ
অমত ঙাওলমদনা মপাম্দা ইমুং ঙানবা ঙাইদুনা লৈখি। কেগে ইমুং

ৱাল্লকপা অমুক্তী হেন্না অঙনবদা মনাই থাদুনা ভম্পাকয়ুমহঞ্জবা কৌহল্লুবে। মপুগী য়াথং ফংবদা অঙম্বা থনা য়াংনা লাক্কুনা য়াঙোন নিংথৌদা থুগ্নমলগা করম্বা সনা য়াথং তাকপিগদবা লৈবগে হঙ্গংলক্লে। ঙসিমক তবা চাহন্দ চারগা শেম্বি ববো লৈবাক্তা চংদুনা ইমোম লাংলেন থোইবী লৈরচো। মপা ঐগী থোমলেন মহলানচান্দ অমতা পোকনবী ইমোমদো মৈনাইগী ফিজেৎ শেংদুনা ভরেং শিল্লহনা লৈবা উরম্বী। অমুম্না মপুগী য়াথং ফংলবদা ভম্প্যাকয়ুমহঞ্জবদো মরান্নাইদা চংথগা তম্না চারগা মপুনা পীবা চৈথেম পুরগা ববো পাংথি। য়াঙোন নিংথৌনা মনাই থাদুনা নোংবানবু কৌহল্লুবে। "ভয়ুম অচানবা ভম্পাকয়ুমহঞ্জবা থাদুনা শেম্বি ববো লৈবাক্কগী ইমোম লাংলেন কৌ-হনথে। ভয়ুম নহাক্না দোলাই লেংডাউ পুংগা ইমোম হাবু হোই ওকলুচো। মুমিং অফবা থবান অচংবা য়েংলগা অৎং জউন ভমদুনা ইমোম মাবু লুহোংগনি" হায়রক্লে। মনাও ইবুঙোগী য়াথং ফংলবদা নোংবান মথরায় লুংডাইনা ঈশৈ ঙংল চংলবনা ময়ুমদা হল্লকই। মশাবি নোংবান্না মথরায় লুংডাইনা হল্লকপগু উংদা মাগী তালোয় মতাদো লুংশা থীরে। নোংবান্না মশানৌ তাল্লোয় মতো কৌদুগা "ইশানৌ মতাংক! ঙসিদগী নাথোয় মতামক নংমা থোক্লদারো নহু মুংলা কুমলো। হায়ুং ইবুং ঙানবদা মথোম লাংলেন থোইবীনা কবোদগী লোই কায়কপদা নোংবান ঐনা লোই ওত্তুনা দোলাই লেংডাউ থগা হাপলগা মবুত্তো ঐগা লেম্নবগী মখোংথম ভম্পাকয়ুমদা পুরকপগনি। মথংগী মুমিংতা নোংবান ঐগা মজাইবেন্মগা লুহোংগদৌরিবনি'' হায় রকলে। মশাবি নোংবানগী য়াৎনাহৎ তাবদা নোংবানগী তালোয় অতোম্বী নৌদা নৌবী ভনৌবীদো শাউন্দনা চুথোন বাওবোই মচেম-তাক্লমদনা মপাম চংকদবগী মফি মহোল য়োমলগা কপ্প কপ্পদুনা শুমাংদা থে রক্লে। মহু উবদা নোংবান্না লাউরকই, "হায় অতোম্বী! মচেম-শিংনো পানা থুদল চারগা চিবাক্লা নঙনা তাঙবী অতোনবী নঙথি মজাইবেন্মগী লোইনবী ওইনবা মতম থম্না লৈথো, নচেম মত্রিচি হসিমক

চংখ্রসনু।" মবুতো নোংবানগী য়ারাহু ভাবদা অত্তোম্বীদো চংসি চংজমদা মশম থোয়ে' থোরো থোংফুনা কপ্পা কপ্প ইমুংদ' চেনশিনখি। ভালোয় মরি অহুদি মবুতো নোংবান কিবদগী মথোয় মশেল ইরহুনা খরাই থোঙ্গাল লানখি। সুমিৎ অহুদগী মনাইশিংগা কোয়নদা মমুম মকৈ শেমজিন শাজিনবদা চাবা থকপা চঞখিদে।

অসোমদা রাঙ্গোন নিংথৌগী ময়াথং পুরগা শেম্বি কবো পাংখিবা তম্পাকেমু নহজ্রবদো অরাবা খওদমথৈ চেম চেম্না লাকপনা পোংথ। অহুমক তুবদা তুম্মু্রাকপগী মলাইকোল য়োরহুনা রাকোন নিংথৌনা পীরকপা চেত্তম অহু কোয়েং থক্তা হাপলগা মপু মঙোম্পা কংশিল্লে। মতামনা পীরকপা চেত্তম অহু পারগা মনাই থাহুনা খোইবীবু কৌহললুরগা "ইমোম ইবেম্মা! নহাকপু পোকপা পম্বৌনা লাংলেন নওবু মমুম কোগে নৈবাক্তা খিনবিরক্লো হ রনা ইপাদা চেত্তম পীরক্লে। ইমোম্মা হায়নিংবা পুন্নমক চিংনবা নৈত্তনা ইপাদা হায়রু। ইপাগী মাকতা ইমোম্মা লোইদাম থাবুম থরা নৈথিগে পায়মা সুংদা থম্লবসু চিংনরুসু ইত্তাওনা শাজিনবা ই না' চেত্তম হনখিগে" হায়রক্লে। মপা শরুবা তুম্মু্রাকপনা সুংশিবিবা চানখিবা য়ারাহু ভাবদা খোইবী মপুকনিংদা সুংতাইরিজে। "ইপা ইবুঙো! পদেম পম্বৌ উনম্বা চিংতু থাংজীং লাইদা তাউজিং হৈরক কাদবা শিঙেল লৈরাং কংথবা লোইদাম থাদুম অহুম কাজিনরক্লে। পম্বৌগী নয়াথং কংলবদি হয়েং কোয়ৌ সুমিংতা নমোনগী শমান লেংমায়রবী খোয়নৌ ইতা ময়ামগা তরা চাকচা হৈ-জায়রগা চিংতু শরাং লাইবু থুরুমজহুনা চংচিং কালেনগী কুনদিপামি পানবা সুমিং অসিদা নমোম্না অশোয় অতাম য়াওদনা ইপাম মোইরাং লমদম য়োবা ওয়বা পম্বৌনা নয়াথং পীনবিয়ু" হায়রক্লে। "ইমোম ইবেম্মা খোইবী। ইপাগী য়াথংদগী ইমোমনা নৌংশিবহু থংজরো। কেগে নপাগ লমদম নহু .মাইরাং মৌজিমথৈ য়াংদৌ লম্মাথাংদা থোংলৌ পলৌবা নৈত্তবা চিংতু মানা কুবিসহু" তাকপীরে। খোইবীনা মপা তুম্মু-রাকপবু থুকয়লগা মত চনিংখোম্বীগী নাক্তা চংহুনা রারম পুন্নমক

থম্বগা খোয়নৌ শমান সেংমাম্বী মত্তা ময়াম্বগা তশা চাকচা হৈজাম্নবা থোরাং তৌরে। কবো ইমুং চানবগা মনাইশিংনা শিনবি লাংবিদুনা খোয়নৌ মতা ময়াম্দগা চয়াও মুংওাই য়াকা ডমদুনা তয়া চাকচা হৈজানবা লোইরবদা শামাম্নী খোয়নৌ মত্তা ময়াম য়েংলগা থোইবীনা পুকমেন পাওমেম্নরকই। 'খোয়নৌ ইত্তা চাম্নবীথোয়! হয়েং ইমুং চানবগা পল্হৌগী য়াথং পুদুনা নখোয়নৌ ঐদি ইয়ুম কেগে মোইরাং লৈবাক পাংবা তাবেদো। পুকচেল খোয়জেগ সিম্নরবী, মুশিরবী খোয়নৌ ইত' নখোয়গা কায়গনি থল্লুবদা নত্তা ঐদি খোঙ থাংবা ঙমলোইদৌরি ইত্তাশা! লাইবকচাউবী থোইবী ঐনা কদো শেখি লৈবাক্তা ইত নখোয়গী নংক্তা লৈরিদৈদা নত্তনা য়াঙাং নহবা হাঙখিবা শাজং চুমদবা চংখিবা থিবিকপু থৎজদবী নত্তানি হৈজদবী নখোয়নৌনি থনবিদুন শাউনিংবা কোন্নায় কৈরবস্ু লোংলবু অশাউবা উংপিখিদে অথৌবা য়াড়াং তাহনখিদে। নত্তানা লানখিবা থিবিকপু চাকসিদু পুক্ষা লিনথা পাবিগন্নু কা। ইয়ুম কেগে মোইরাং য়োংগা চিংঙ্ থাংজৌদা তাউজিং হৈরুক কাদুনা শিহেল লৈরাং কৎতুনা ইত্তা নখোয় ময়ামগী য়াইফনবা পুন্সি মুংশাংনবা নত্তানা নিজগে।" থোইবীগী য়ারাদু তাবদা খোয়নৌ মত্তা ময়ামদো থাঙবা ঙমত্রবোই চঙশিল্লকুনা থোইবীবু কোম্নগা কবো চাংশোই হৈরাওখোলঙম মখোল খোকনা কপলক্লে। মত্তাশিংগী মতৌদু উবদা থোইবী মাম্নু হিক্লা হিক্লা কপলকসে। অদুম্না খোয়নৌ মতাশিংগা পুকমেন পাওমেম্নগা লোইবীনা তুম্বুরাকপা পলেম শক্লগী চানিংথোম্বীবু পোকপী মমাদু থুক্লমজে। তুম্বুরাকপা অমদি তুম্বুলৈমা অনিনা থোইবীবু মুংশিনা নানবিরগা চানবীবা য়াহৈনা পুকমেন পাওমেম্নবিরে। "ইমোম্না লমশাং চৎপদা খোঙনা চৎলবদি য়াগনি থম্দুনা ইপামা দোলাইলেং ওইননবা মপাঙ্গল মথৌনা লৈয়বা তমব মুপা মিপাল ইমোমগা চৎমিম্নবা ইপামা থৌদা পীরবনি। ইপানা পীবা দোলাইদা তোংলগ অমা অনা নংদনা অশোয় অতাম য়াওদমা নমুম কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পলেম পল্হৌ উনজকয়ো।

চিংগু থাংজীং খুরুমজরবা।" হাকপিরক্রে। লপাগী য়াথং পুবগা থোইবী হয়াওনা হল্লক্লুনা মপু তম্পাকয়ুমহঞ্জবগা রা তাম্নখি। চুমিং অত্থ মুরা পুক্নিং লাংতক্রবদা তুম্বা চাবা য়াখিদে।

কবো ইমুং হানবগা মজাইরেম্মা থোইবীদো হবা চাকহল চারগা তুম্মশাকপনা পীবা লোকাইদা তোংলগা মপু তম্পাকয়ুমহঞ্জরগা শোয়মনা কাংলেনগী কুননিপাললি পানবা মুমিংতা কেগে মোইরাং পাং-লহৌলে। শন্দ্রেক চনিংথোম্বীসু খেংযনৌ মতা মমামগা লোয়ংনা থোইবীবু কবো য়াংলৌ লম্বী অচৌবা তাম্না থিন্দোক্লগা মুরানা চংখিবা মায়কৈদা মিংলু পিবাং ঈংহৌনা য়েংহুনা লৈহৌই। কবো তমব মুপা নিপালগা তম্পাকয়ুমহঞ্জবা থোইবী মখোংয় তরানা কযোদগী লেপতনা খোঙথাং লাউনা লাউনা খাংহুনা লাকপনা ইথাই খেৎপুং য়ৌরবকদা রাংলেন ভাহাক পেংখাখিসি হায়হুনা থোইবী দোলাইদগী কুমথরে। মগু মপুনা চিংঙু থাংজীং পকেপ্পা চৈগু মতাং চংবী লাতোন থনম্বা মক্কম অত্থ তাম্না চংতুনা য়েংবদা কোয়াং চৈগুগী মতাংনা, উনৌ চোংহুনা বা ওইনা হৌরমলে, চংবী লাতোন তাংহৌবা মক্কমহুনা লকু ওইনা হৌরমলে। মহু উবদা থোইবী মথরায় মুংতাইরহুনা হৈরাং পুখোল্লগা ময়াম চানিম্নবে। মালং ঈচিক লেমহুনা খঙোন হকটিক লাহুংনা ভাহাক পোখাবগা থোইবীনা কবোগী দোলাইলেং তমব মুপা নিপাল মঙ্গাংদগী অহল ওইবা তমব মুপা অহনথক থল্লগা কেগে চৈগৈ পাং-লেনকোল শাইহৌনা কোনবা লম তৌরেথেক কোনজিন ন,ইবা ভাম্বুলম, খেঙ্গাং শাবালম লমজাউ তোপ্পোক য়ুমদোমপোক, নোংয়াই লায়রশঙদা চংতুনা মবুতোতোন খম্বদা পাউ পীরুচো লোই ওকপা লাকপিয়ু হায়-রুচো থৌদারে। থোইবীগী য়াথং পুরগা কবো তমব মুপা অহুমদো চেম্না চেননা লাকপনা খুগা ভুরেল লাল্লগা লৈতানপোকপী খুগা তেরাখাদা নোংবাম্না পে নায়েকপা থন্দুনা মনাই মশকগা লোয়ননা লৈরিবহু উরে। নোংবাননা কবো মুপা অহুমহু কৌশিল্লগা মযোম লা লেন থোইবী কবোদগী লোই কায়কপা উবরা হংবদা উদে

খঙদে খুমলকই। করে মীনাই শকখীবশিংসে মমোম লাংলেম থোইবীবু য়েংবা কিদূনা য়েংলদুনা মশক খঙদমানে চৈথিরে নোংবাম্না।

অসোমদা থোইবীনা দোলাই তোংদুনা কেপ্পুনা লাকপনা খুগা তূরেল লাম্নগা কুখী তেরাখা পাংলকলে। থোইবীনা "ইপু তম্পাক-য়ুমহঞ্জবা! দোলাইগী চোমলাং হাইদোকপিয়ু ইপাম লমদম য়েংজগে" হায়রক্লবদা তম্পাকয়ুমহঞ্জবনা দোলাইগী চোমলাং হাইদোবই। নোং-বাননা অঙোমগী নাপু মচুগী পেঞ্জাউ নারেকপা খন্দুনা মনাই শৌরাগা লৈরিবদু লাপ্পা উবদা থোইবী সুংশাথীদুনা ইপু! আদা ওল্লিবা নাপু মচুগী পেঞ্জাউ অসি অঙোম নোংবানগী পে মানবেদ' হায়রকপদু মানি খুমজে তম্পাকয়ুমহঞ্জবনা। করম তৌরগ' মীপাউথোক নোংবানগী মখুংতগী নাম্থোকসিগে থনবদা মাখল লাম্না ফংলক্রবদা মবুধো থাংজীংবু খম্মোয় সুংদা চেংনা থাগোম্নজবদা থোইবী পায়মা কৌশিং ফজরে। নোংবানস্থু মনাই শৌরাগা অয়ুকী চাকওল চারগা ভায়জরিবা মজাইবেম্মা থোইবীনা তোংলকপা দোলাইদু উবদা হরাওদুনা মনাই শৌরাদা নবেম্মনা পোথানবা অঙাংবা ফিরাংজি তিংথোক্নগা মথক্তা চরৈ ফিঙৌনা তিংথোকউ থৌদায়কই। শৌরাম্না চরৈ ফিঙৌগী মথক্তা ফজরবা লৈনম সুংশিবা লৈ ময়াম চাইথোকই। থোইবী উম্নগনি খক্তদা মপু মন ইদো মথরায় সুংঙাইদুনা ঈশৈ শংনথি। থোইবীগী দোলাইদু নকশিল্লক্রবদা উনিংবনা ভাওয়বা নোংবানদু মথরায় সুংঙাইনা থোকবাপ লাউনা লাউনা থাংদুনা মজাইবেম্মগী মমাক তাম্না চঙশিল্লক্লে। তিং-ত্রিগুম লাংওনবী চেক্লা থায়াগুম পুকফবী পায়মা লৌশিংচাউবী থোইবীনা নোংবান লাকপা উবদা দোলাইদগী কুমথরগা দুরা মিংথো সুংওনবী থোয়রকম মোমোন মীনোক্লা লৌনম লাংবু থাক্তনা ইতৈ নোংবান কোংয়াম্বা কৌরক্লে থাদোইগী মাম্না খোনফম সুংশিবীনা। থোইবীগী মীকৌ ভাবদা য়েংথোরকপা মিংয়েং উবদা নোংবান খম্মোয় পেনগবোই 'মজাইবেম্মা মজাইবেম্মা, নত্তে নোংবান লাকচরে' হায়না চেক্লা খত্রাংচাকী মতৌগুম তফিং তফিংনা চেমশিল্লকই। "ননাও,

লাইবকচাউবীনা শেন্থি কবো মীতৈশাক্তগী থোংকাপ নোংগৈ থাংজ-রকপদা য়াংদৌ লমথাংদা নিঙোলদু ঙাইরম্বাসে ওন্থোক্লা মুংঙাইচাঙখ্রে'দে' ইতৈ হায়রক্লে থোইবীনা। মজাইরেম্মী মপাউখোল তাবদা নোংবান পেনবগী ওমখৈ কৈথিত্রে মঙাইনগী পন্দোম লোমখ্রবোই" মজাইরেম্মা থোঙদোই হুল্লক্কনি তাবদা নোংবান তবা চাগনি থক্কনি থন্না ঙাইজ-রমলিবনি" খুমক্লে কোংয়াম্বা। থোইবীনা মাংদাথ নোংবম্ম তুংদা থং পে থল্লিবা মফম অদু তাম্না লাকমিন্নরে। তিঙ্গাই থক্তা চৈরে কিক্তৌ থাব্রিবা অদুগী মথক্তা থোইবী কাখৎতুনা ফমদে। অদগা নোংবানদে, নোংবানসু থোইবীগী নাক্তা চেঙশিন্দুনা ফমদরে। নোংবানা মনাক্তা চঙশিল্লক্কবদা খপনা পীরম্বা কোংয়াং চৈস্ত্রদু থোইবীনা মখোয় অনিগী মরক্তা থন্দুনা থম্বা উরদ' নোংবাম্না শাউরে। চৈস্ত্র অদু পাম্বরগা থুদেক্কে তৌরক্লবদা থোইবী মুংশাথীদুনা কব্রি মথৌনো ইতৈ নোংবান! নিঙোলনা শেন্থি কবো তাম্না চমথাং চৎপদা ইথেঙ পাং-বিনবা কনাম্ম উাক্তুবদা কোংয়াং চৈস্ত্র অসিনা নিঙোল ইতেঙ পাংবিদুনা অবা অনা থাংমিন্নবরবা ইবুং শক্লবা চৈস্ত্রনি। চৈস্ত্র মাগী মতেঙনা ওসি ঐনা ইয়ুম মোইরাং য়োরকতুনা ইতৈগী চোংজৌ শক উনবা ফংজ-রিবনি। মরাল লৈজদ্রবা চৈস্ত্রবু করিগী অদুক তাথি তাওইনবিরিবনো! চৈস্ত্রদু মরাগী থুংতা শিন্নবিয়ু ইনাক্তা থমজগে হায়রকলে। থোইবীগী য়ারাদু তাবদা নোংবান্না চৈস্ত্রদু মরাইবক কৎলগা "হবাই ইবুঙো, রারৌবিগন্নু" হায়রগা থোইবীদা পীরে।

নোংবানগী মনাই শৌরানা মমুন ফাব্রবা হৈরাংকয়া পুথোকতুনা থোইবীদা পীজরে। হৈরাং চাক্কবগী থোইবী কবোলাই চৌরে হায়রমলগা কমকমদা ছিপথথরে। মদু উবদা নোংবান মুংশাথীদুনা কোয়চেন চেন্নে। মনাই শৌরানা ঈশিং পুশিল্লক্লনা থোইবীগী মকোক্তা তপ্না তপ্না হৈবিরে। অদু ফাওবদা থোইবী অনাবা লাইথাই তাদনা মুংশা মপী থবেং থবেং হোন্দুনা মথিং চপ য়ুংদুনা লৈরে। থোইবীগী মতৌসি অতৈ কনাম্ম থওথিদে তম্পাকয়ুমহুজবদি তৌশিন্নবনি থওথি।

মতম অসিদা নোংবানসি, লাঙ্গোই শগোল কাক্লহনবা থোকহনবগী মথোল তাবদা থোইবী শোয় শাংনা হাল্লক্লে। মতু উবদা নোংবাম্না থোইবীগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগ শগোল কাক্লবা শগোল কাক্লবা হায়না শোল্লক্লে। নোংবাম্না তোয়না তোয়না শগোল কাক্লহগী মমিং পনবদা থোইবী তিপ্পম্বদগী হৌগংলক্লে। "ঐ শগোল অমুক্তা তোঙগে ইতে, নাংনা শগোলগী খুবক্তি পায়রগ চি হুনা পুশিন্নু অনানা ফত্রা থেংজগে" হায়রকপা মফাইবেম্মা থোইবীগী শোন্নাংনবা য়ারাহ্ন তাবদা নোংবাম্না মাগী শগোল কাক্লবা পুশিল্লত্তুনা থোইবীবু তোংহাল্ল, মানা খুবক্তি পায়রগা মাঙ থাহুনা চিংবা হৌরক্লে। শগোল তোংবদা নিঙ্তোলদি অনাবা পুম্নাকোক কোকলে। মরমদি ইতে য়াওবিহৈদা শগোল তোংবা অমুক্তা তমবগে হায়রকপদু নোংবানসু হয়াওনা য়ারে। থোইবীনা খুবক্তি পায়দুনা তপ্পা তপ্পা শগোল থৌবা হৌরক্লে। নোংবান মুংশাথুনা মনাক্তা চেল্লনা চেল্লনা ইল্লে। লমমঙা চংলি, অমুক হনজিল্লি। লম কয়া থোদুনা চংলি অম্না অমুক হনজিল্লকই। শগোল থৌনা থৌনা থোইবীনা য়াংঙল তৌরকই। ঐনা শগোল থোদুনা চংলবসু লমজেংগ য়াংবা নোংবাননি, তাম্নরক্লুনা ঐবু শোয়দনা ফাগনি। অদুগী শরুকপুদি লৌনম তৌদুনা নোংবানগী পুকচেল ফাগে, দোলাই তোংহনগে থল্লক্লে। নিঙ্তোল ঐনা লাঙ্গোই শগোল তোংলগা ইতেনা দোলাই তোংবিদুনা কেগে সোরোক য়াংবী থক্তা মিংকা মিংবা মিংচাম্না লেম্নবগী মংংংম নোক-খেদুনা চংমিন্ননিংংবু কম্বি থনবিবগে হংজল্লবদা, মতুদি য়াম্না কবনি নোংবাননা পামজবসু মতুমক্তি কোংয়াম্বা হয়াওনা খুমজে।

অসিদগী থোইবীনা শগোল তোংলে, নোংবাননা দোলাই তোংলে মথোয় অনি তুংথা মাঙথা কুম্বী তেরা থাদগী কবো দোলাইশিংগা লোয়ননা মোইরাং পাংলক্লে। খরা চংলগা থোইবীনা "ইতে নোংবান! নিঙ্তোল ওইবী ঐথোয়দি তোয়না লাঙ্গোই তোংবা ফংদবনিনা ঙসি তোংলিত্তে অসিদা শগোল থৌবসু তমজগে হায়দুনা নোংবানগী শগোল কাক্লবা অদু খুজি থাদুনা থোইবী শগোল থৌবা তমলক্লে। শঙম

অমা খোদোকই কৌখাই অমা হনজিল্লি। নোংবান্দা খেমশিল্লগা খোইবীনা ইতে নোংবান কয়াদাই হংজে। মতৌদা মচাইবেম্মা নইবেনা য়েংবদা পেললে খুমজে নোংবান হয়াওনা। নোকচি মতোমত্তা মথবায় তানা, নাকল্লা য়েপলিগা পানা খুদপ কৌখোল্লগা খোবোম থম্ম চাংজে নোংবানদো। অস্তুম্মা খোইবীনা লৌনম তৌদুনা পরি অমা খোং, লৌয়াক অমা হনজিল্লি। অস্তুম্মা মতম খবা হন্দোক হনজিল তৌদুনা খোবদা খুংলোইয়কলবদা মদুডোতোন খম্বী মরানয়াই তাম্মা চেল্লগে খম্মদুনা খোইবী পরি অদুমলোম খোয়গা হনজিল্লকুনা মাগী মুংশিংবী মমাও থানা লাজোই শগোল কারুবচু খোয়কলে। নোংবানদি হন-জিল্লকাদোবোই খন্দুনা হয়াওনা য়েংদুনা লৈয়ম্বদগী অস্তুম অস্তুম লাপ-খোকখিদুনা খোইবীগী মশক মশেল-মরাং উয়ল্লবদা নোংবান মুংশা থীয়কলে। কবো দোলাইলেংশিংদা দোলাই থারে হায়রগ চেংহাই মথক্লগী চোংথবগা "মচাইবেম্মা, লাজোই খুজি চিংথংদিয়ু' হায়না লাউয় লাউয়গা শগোলগী মতুং ইন্দুনা চেল্লকলে। মদু উবদা দোলাই মনাক্তা চংলম্বা শৌয়াম্ব চেনখংলকুনা ইবুঙো লেপ্পুবা চেনখংদিয়ু ননাই শৌয়া তুং ইনজরকে।

লম্বীদা মযোম লাংজেন খোইবীনা কোউ কাবখংদা খেবচংগী চাইরিবা মমাতোন অমদি সেলুহ খোইবীনা মুংশিংবী মমাও থানা শগোল খোয়কপদু উবদা মমাতোম্মা কুংশাথীদুনা ইমাগী লাংজেন খোইবী শগোল থামখো ইমাগা পুকমেন পাওমেল্লখিদি হায়না কাউ-জবদু খোইবীনা পলেম শকপী ইমাতোন, চারায়রবা শরেল নোংশাগী মথাক্তা য়াওরৌ শজিনা মথবায় হিংনবা চেনজিম নমোয়বু কাগদবগী ইকায়বা খঙত্রবা নোংবায়া তুংদা তায়রকলে, নমোমদি নমাক খংগী মরানয়াই পাংজরগে নমোমবু য়ারৌবিগনু পাউথুম পীয়কগা খোইবী অপনবা লৈতনা খম্বী মরানয়াই চেংগৈ পাংতোন হয়া লাজোই শগোল কারুবা খোখি। তুংদা নোংবান চেল্লকপদু উবদা মমাতোম্মা সেল্লুদা লৈমায়দা তারিবা শগোল 'খোল্ল মুংদংলু' তাকপিরবদা সেল্লুনা

মালেন লৈমায় থক্তা তাখিবা শগোলগী খোঙ্গুল মুংঙংলে। ইকুই কুইদনা নোংবান ময়ুংশা মপী থবেং থবেং হোন্দুনা চেল্লকলগা সেম্বদা মঙাইবেম্মা লাঙ্গোই শগোল ভোংলগা চেনখিংদু উবদা হংবদ সেম্বনা মঙাইবেম্মা লোই ওক্কদবগী ভাইকহ্রিবনি খুমজে। সেম্বগী পাউথুম তাবদা নোংবান ময়ুংশা থইরে, খম্বগী মরানয়াই পাংলম্বা চাই মপুরি দা থম্মতুনা চেংগৈ পাংতোন তম্না চেনখি।

অসোম লায়বা লৌন্দদি থোইবীনা থারকপা ববে ময়ুংশা অহুমনা থোইবী কবোদগী লোই বারকলে লাই ওকলিবো হায়রকপা পাউহু তাবদা থমমু খোঙ্গাম্প তোঙ্রকপনা থম্বসু কংলা কুমলকপগা মচিন মৌপা থেংনরে। মতমাদ থোইবীনা চেংলিবা লাঙ্গোই শয়াংথঙগী ইবুঙো-তোন, লাঙ্গোই শগোল থাংদিযু হায়না চাইরবংদু তাবদ থম্বনা লম্বী ময়াইদা লেপ্তুনা ময়ুংশিংকী মমাঙ থানা চেল্লকলিবা শগোলদু ফাগদবগী শেম শাদুনা লৈখি। শগোলনা মনাক হেক য়ৌরকপদা থম্বন থনা য়াঙনা হাংচিন্দুনা পাখংগী মতাকবা থবাক অদুমা শগোলগী মথাদা নপশিল্লগা মখোঙ অনিনা লৈপাক্তা শৌ শানা লেপতুনা মফৈগলনা শগোলগী খুমাঙ ভাক্তুনা মথুংনা খুজি য়ান্দুনা মপালল ফুক্না শগোলবু থামলে। মদু উবদা শগোল তোংতুনা লমশাং চেল-লকপগী বাবনা ময়ুংশা মপী হোললিবী থোইবীদু মথক্লায় ময়ুংচাইনা নিংশা চনিং তানা হোনজে। থম্বনা থোইবীবু শগোলদগী থাংখবদা থোইবী লেপ্পা ওমদতুনা থম্বদা কোনশিললি, থম্বনসু থোইবীবু কোনবি। মদু উবদা থমমু হল্লাওতুনা থাম্বী মৈ ওক্কবা মৈরা লৌবা ময়ুমদা চঙখি। থম্বনা থোইবীবু কোন্দুনা লায়শঙদা পুশিনখিবদু উবদা নোংবান চেল-লম্বদগী অশাউবগা লোয়ননা লেপ্তুনা য়েংই। তুরেল তাইনবা ওমজ্রগা নাশিখোংদা তাইনৈ হায়নবগুম লেপ্তুনা লৈরিবা মাগী শগোল কাক্কবদু ফুগে থম্মতুনা থোইবীনা হন্দোক্লম্বা শগোল শাজে অদু থুনবদা শগোল কাক্কবদু মঙোন্দা ফুগদৌরে কিবদগী চেনগে তৌরকপদা নোংবাম্না চেনশিল্লগা থামগদবগী খুজি লাম্বদা ফংদতুনা শাবল পায়রক্কবদা শগোলগী

মবুক্তা কারিবা পূকনিংথু তংখুনা শানবগা থোকনা। লোংবান লৈথাদুনা
তুরে শংগোল অহুদি ফিবা মমুম তাম্না চেনখি। নোংবাম্না ইংগানবগা
মশাদা পকনিবা উক্ষল তৈথোকতিবৈনা মাগী মতুং ইন্না চেক্কপা
শোৱাহু লুংসরে। শোৱাদা শগোল শাবল অসি হুন্দোক্লম্ব পান্দুই,
ইরানম্বাইদা পু হায়রবকনদা শোৱানা ইরুজা থেমুংনা থোইবীদা
পুদনা শাবল পুবসি ননাইদি ইকাইজে হায়দুনা পু য়াদ্রে। শোৱানা
শাবল পু য়াঙ্গবদা শাউমনক্ষুনা লৈমায়দা তারিবা শাবলহু খুন্নগা
পুদুনা শোৱাগা লোয়ননা মরান্দ্রাইদা হল্লকই। থয়াই থোঙনান্দা
মবুঙো নোংবাম্না থোইবী লোই ওক্ষংগা পুরকপহু ওক্কদবগী মথেনদোংবা
লোয়ননা ঙাইজরিবী নোংবানগী থাজোয় অতোপ্পীহু মবুঙে নোংবাম্না
শাবল নম্বো পোম্বগা হল্লকপহু উবদা থিবনা ইমু'দা চেনশিনখি।
পাউ অসি তাবদা নোংবানবু পোকপা পনেম পুম্বো মনিংগু মথগায়
শোকনা মুংঙাইখিদে।

কুনশুবা মতাং

কংলা বাকৎ

বাঙ্গোম নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না নোংবাম্না মনাই শোৱা পুরগা
কুথী তেরা থাদা মঙ্গাইবেম্মা থোইবী লোই ওক্লুংদি কদুক মমাঙ
চাং তাবা কৈরোয় লৈকাইগী মীমাঙদা ইকায়বা নবঙ্গী ফুংঙাইতবা
রাথলনা পোথাক্রম থঙদহুনা রানা ইনুং তানবা ঙাইখি। কেগে ইনুং
ঙাম্নকপা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা বাঙ্গোন নিংথৌগী সনা নাক্তা লাকুনা
ঙরাং মঙ্গাইবেম্মনা লোই ওকপদা থোকখিবা থৌদোক অহু অমত্তা
চিথদনা মপুরা হঙ্গংলে। মদাইরেম অচানবা নোংবানগী য়ারাহু তাবদা
বাঙ্গোন নিংথৌ শাউবনা পুত্তোন থাখিহুনা লাকচৈদা লমকেংপী কায়না

মমোমবু চৈরক্লে। মপু লোইঙ্গী অফিদে মাঙ্গা চিরং রাজাল্লরগা নোংবান খুনা য়াদনা চংশিন্থনা য়াইফ হৌবা তাকেন মথুংমরা বংলা পুংজাউ থৈরে। পুংগী পুংখোল খাংনা কেগে কৈবাক মীয়াম মীপাইনরে। অতম অথৌ পুন্নমকপু তম্মা চাবকত চাংগা বংলা অম্মা লেংখৎলরক্লে। মপু মোইবা নিংথৌ, রাজ্যোন নিংথৌ অনিম্বু মনাই মশলনা থৌগল তৌরগ খুংসরে। অতম অথৌ ফন্নাইবা মুনা তিন্নরবদা চাউবা নোংখোম্না সনা মাঙদা থুক খুদক হণশা লৈনা কুপ্লগা "ইনিংথৌ! তসি কংলা পুংজাউ থৈদনা লৈগদৌ অতুম্ব অঙৌ কন্নাইবা পুন্নমকপু কৌথৎলিংবু য়াইবা শানাইকন হ্যেল লৌন্না ন মনা কনি লৈবাগে" হন্নংলকলে। তসি বংলা পুংজাউ থৈমাসিনিংথৌ ঐদি খঙদে, শানৌ চোম্না খঙসমগত্রা হায়রকলবদা ঐন্দ্র খঙদে তথুম নোংবান্না খঙসমগনি খুমবোরক্লে রাজ্যোন নিংথৌম্বু মপু মোইরাং নিংথৌ অমদি রাজ্যোন নিংথৌগী য়ারাঞ্জ তাবদা চাউবা পায়মা জুংদা চিংনবা পোকথি। রাজ্যেন নিংথৌগী নাক্তা ফংলিবা নোংবান্দা শংত্রিক য়েংলগা পারি মোংবান! শাবাউ লানশাউনা থৈবসি থম্বা কেগে কংলা পুংজাউ থৈবগী মরম খঙলবদি মপু সনা মাঙদা মরিক চুম্না হন্নংলু" হায়রকলে। মপল চাউবা নোংথোনগী য়ারাফু তাবদা নোংবান তুমিম্না কৈথোকপা য়াদহুনা সনা মাঙদা থোরক্লগা থুক খুদক হণশা লৈদা কুন্দুনা হংগংলকই। "ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ য়েংল্লবদা কনবিম্মু লাল্লবদা তাকশিয়ু খুথা থাদা, নুকমতল্লি। রাজ্যোন নিংথৌগী সনা য়াথং মতুংইন্না নদাই মম লোয়াম্না ভরাং কোরৌ নোংলেন্দা কুম্বী তেরা থাদা কবোদগী লোই বাংকপা মজাইবেম্মা থোইবীবু লোই একচক্লই। মজাইবেম্মন, তাঙ্গোই শগোল কাক্নবা তোং, মনাই মোংবান্না দোলাই তোংদুন কুম্বী তেরা থাদগী তুংথা মাঙথা নোংবান টরানয়াইদা লাকপহু ইফাও থম্বনা উংহৌই। হুমিদাংগী তরা চাবা লোইরহুনা মনাইদি পোত্থাজরে। মজাইবেম্মা থোইবীদি তরা চাবা লোইরগা মপান্দা মথুং হাপ্পা থোরকপদা থোংজিন মরুমদা লুমহুনা

লৈরম্বা ইত্তাও থম্বনা চোংথোরক্লুনা মজাইরেম্মগী শমু খুক্লেং পাইরগা থরাই খোঙ্গাল তাম্না চিংদুনা পুন্দা মজাইরেম্মনা ইতৈ নোংবান নিঙোলগী য়াইবী থরায় কনবিয়ু ” উরকপন্থু তারদুনা ননাইনা ইমুংদগী ঙমাং তান্না চোঙ্খাংকপদা ইত্তাও থংনা নেকপা য়েনখাদা লুমকম্বা ভমব মুপা তরাদে চোংথোবক্লুন নোংবান ঐবু চৈশীং থন্দবা মথৈ ফুবিরে। ননাইনা রাথল চৌশিং শাকপা মতমদি উথোবহেন্দা খোঙ থুং পুনশিন্দুনা লৈবম্মী। মপুগী সনা য়াথং ফংলবদি ননাইগী ইনঙ্গম্বা লৈরিবা চৈফমসি উংচগে। মজাইবেম্মা খোইবীনা নন ইগী কোলোয় ইমিং পন্দুনা বপ্পা বপ্পা চংশিনতু থম্মোয় শেংক্লা ফুংহোই-খিদবনগী অফ কক্ত বাথল তুংওইনখিদুনা ইথুংমরু কংলা পুংভাউ রৈরুবা ননাইগী ইবাপ ঙাকপিয়ু। মশানা মচদব খোইনীবু ননাই নোংবানগী ইরানয়াইংগী ইত্তাও থম্বনা শামা পাজল বল্লি তৌব ঙম্মী মতাংগুর নমজাম্ননা চিংদুনা পুখিবসি ননাইদি থম্মোয় শেক্লা ফুংঙাইতে। অমুম্না অকনবনা অশোনবদু তুংলি রুন্দি বেগে মোইরাং লৈবাক্তা অশোন অনা কনা অমত্তা হিংদুনা লৈবা ঙমলরোই। মপু খুম্না থাদা দেগে লৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংগী মফমদা ননাইনা রাকংচরিবসি রায়েল পরিং তাবিধু” হায়না ওইদবা য়ারানা অংহৈবা শাদুনা হঙ্গংলক্লে নোংবাম্না।

নোংবানগী রাকংতু তাপ্দা কংলাদা তিল্লিবা অঙম অথৌ ফম্নাইবা মীয়ান পুরমক লোম্না চিবোন চিবোন ঙাঙনবদা কংলাহ্ন পুমংশিল নিললে। চাউবনা মীয়ামদা য়েংলগা মথুং থাঙ্গংলকপদা নিল্লম্বা পুম্বা গেপখিদুনা উন রাইমুক চিকখি। চাউবনা মাকলৌরেম থম্ব কৌরক্লবদা থম্বনা ইমান ইবুঙো হায়না কৈথা নোম্নবা তাউবা হুইগুম খোরক্লগা খুকত্ত লৈদা তাহুনা মপুগী সনা মাঙদা মক্ল লুক্লুনা লৈখি। “থম্ব নহাক্না মতাও নোংবান ময়ানয়াইদগী ঙয়াং অহীং মজাইবেম্মা খোইবীব নমদুনা লায়রশঙদা পুদুনা চংলি, নোংবানদুনা নহাম্না নেকপা ঙমব মুপা তরানা ফুবিরগা মাঙ্গোনগী উথোকতেন্দা পুন্দুনা থনম্মী হায়না

মপু খুয়া খাদা নত্তাণনা রাকংতিবা অসিগী মরমদা নহাক্না খঙবা হায়নিংবা রাকম লৈরবসু মপু খুয়া খাদা হন্নংপা য়াগনি” হায়না তাকপিরে। মমান চাউবগী য়ারাদু ত্তাবদা খম্ব মঙক্তা চরে কি য়েংদুনা “ঐবু লোইবা লৈমাক্না ত্তাঙ্গোই লৈবাক মপুরেল, য়েৎনবদা কনবিয়ু লাক্লবদা তাকপিয়ু, খুবাং চাংজো তন্নানা ইদু কাইমা তিশিংনা চাংজোচেপনা মপু খুয়া খাদা থুরুমজরি। ইত্তাও লোংবায়া মপু চনা মাঙদা রাকংতিবা রাকম অসি ননাইদি করিসু খঙজবা উজবা লৈজদে। ননাইনা খঙজবদি ত্তরাং সুমদাংলাইরম মত্তাইবেম্বা থোইবীগা চাঙ্গোই শগোল তোংদুনা লায়র শঙদা লাকই। ননাইনা হম্পাকয়ুমদা থিনজগে হায়জবসু মজাইবেম্মনা য়াদ্রে। হম্পাকহুমদা চংদুনা ইপাগী নাত্তা লৈগদবগী শরুকপুদি নিত্তোল হাদাম য়াইবী মাঙডগে, তাকপিরক্লবদা ননাইগী পাক্লল থোম্বা লৈত্তদুনা ইচেম লায়রবগী নাত্তা মজাইবেম্মা থমজে। নোংডাক্লগা মপু নাক্তা চংদুনা হন্নংচরুগে খনজবু কংলা পুংখোল্ল তাবদা শাবাউ লানবাউ অকনবা লৈরম্বা তারে হন্দুনা ননাইনা কংলা ত্তাম্না লাকচবনি। হৌজিক ফাওবা লায়র শঙদা মজাইবেম্মা লৈত্রৌরি। মপু খুয়া খাদা ননাইনা হন্নংচরিবা অসি অচুম্বা তাক্তনি চিংঙ্ থাংজোংনা পক্লেপবা ওইবিসু। বেগে ওঙ্বা অমা থক্রগা মজাইবেম্মগী মপাউ চৌবিবা য়াগনি” হায়ত্তবকে। খম্ব নোংবান অনিগী য়ারাদু ত্তাবদা জৌশিং শিংবা চাউবা নোংথোনদু রাখল লম্ক্রুমবোই মায়থোং লৈদা চুঙ্না লৈক্লে। লৈবাকী অঙম অথৌ কম্নাইবা অমত্তনা লংলা লংজিন পুথোকদুনা রাক্লে পরিং তাবা য়া-রোইদবদু উবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা চিগিদি কংলা চেপ কুম্নরসি হয়েং অমুক খম্নরসি হায়রক্লবদা অঙম্বা পুম্নমক্ন য়ানরে নিংথৌ খুমনরগা কংলা কুম্নখে।

অত্তোম নোংবান কোংয়াইনা কংলা পুংজাউ য়েহুনা লৈবাকী কম্নাইবা অঙম অথৌ ময়াম কৌখংলগা কংলাদা রাবংপা চুরিং অসি কালেন থাগী কুনরাপলনি পানবনি। চুরিং অসিগী কোরৌহনবদা

কোকতোন লোমললকপদা কুমাবম চন্দ্র বুংতকেম্বীনা তরা চাকলেন থোংগা লোইরগা তরা চাদবমথৈ পলেম মমা হল্লকপা ছাইদুনা কৈরে। পলেম মমা পোক্তবীনা কৈথেল বুম্লকলগা তরা চানা চানা মনোম কুমজলেম্বীদা লমলেন থোইরেক্তাক কময়াইদা লোকলৈ পুম্লৈ য়াকুচো থোদাই। পলেম মমাগী ময়াথংবু হিকতোবগদি ওমজদা লাইবকচাউবী কুমজলেম্বীনা তরা চানা চানা "পলেম ইমা ইবেম্মা! ওয়াং নমোম ঐগী খোমালেন মঙম্না মঙ্গলানচান্দা ওন্থোকপা মঙবু মওঙইনৈ। খোয়নৌ ইতা ময়ামগা তুরেল লাইজ ঈরেম্মা ইশিং শোদগা চংগদা নমোমগী পূল অত্ত ঈয়াইদা ছাউহনা চংখি। শিনাং তাংদা অশাংবনা লাম্বা কংত্রবদা নমোম্না লাইজ ঈরেল অরুবদা খুল শোবপা কুমথবদা ঈয়াইদা লেপ কংদহনা ঈরাকনৈ। হসি কোয়ৌ অসিদদি মঙ্গলানচান্না সুংঙাই-তবনে কোয়ৌনগা কোকতোন লোংহিবনে উংকে য়ায়ানা লাক্লা লাক্লা খোংবনে নমোমগী পুক্লিংসে ওয়াং ওশোই কয়াই থোক্কাস কানহনবিগনু। পলেমগী নয়াথংবু নমোম্না হিকতোকচবদি নংচদে। হয়েং ইমুং ছাল্লগা অমুকী য়েন্দা অঙনবদা নমোমবু চীংদা কাদুনা শীং চকজুচো চল্লুগে লমুক লমচাংদা চমলৌ য়েনশাং হেকজুচো হেকজুগে" হায়রক্লে। মাগী য়ারাহ পলেম মমা পোক্তবীনা মংদা হাপখিচে, অথিবা য়ারা খোন-কমনা মমোমবু থীনা চৈথিরে। মথিবোং তরা লামলবদি হয়েল হয়েং ছাইয়ু য়ারোই। থবক শিন্না অমতং পিবদি কৈ ফল্লে থিবনু শাই। কোয়ৌ নারল চনগদবা য়াংলেন মতম য়াম্না য়াংলি। লোইবী চীংজাউ কাখিবা পম্হৌ হল্লক্রিচৈঙেদা সুংদাংগী চায়া থোয়াংনবা থুনা য়াঙনা চংতুনা লোকলৈ পুম্লৈ য়াকুচো। খোয়নৌ নত্তা ময়ামস্তু মথুংতা থুমোক য়েন্দাই পুরগা চমলৌ য়েনশাং হেকপা চংনপ্রিবদুদা য়াহৌথেংবী ওক্তবী নত্তোমদা ডাইহৌদুনা নমাম্নবীশিংগী মমাঙদা ইকায়শিচক্লিবা ওইরি-নিনে" হায়নদুনা চৈথিরে। অন্তম্না মীমুংশি থঙজ্রবী পোক্তবী পলেম মমানা মাবু চৈবদা নত্তনা কোয়ৌ নোংগাঞবী মাবু পোকপী মমাবু পীবন পাবম্লরক্লদা লাইবকচাউবী ইবেম্মা তাদুনা লৈবা ওলফল্লুবোই

ভূগা চাবস্থু মবুক থম্ন। চাবা ভুমদম্লুনা হিক্ক। হিক্কা কপ্পুনা হৌগৎলক্লে। অম্নুমা ভাংাক কপলুরগা পক্কেন মম্মা কিক্পগী মথুংতা পোত্লাং পায়-রগা লমক্লেন থোইরেনতাকী লময়াইদা কোবলৈ পুল্লে য়ানবা লাক্লে। ল্পী চৎনা চৎনা মুরা লাইবকচাউবীনা কোরৌ নোংমদোল থক্কা ওল্লগা লেচিল থোঙানেৎনখ্রবী পলেম মমাবু কৌদুনা "পক্কেম ইমা অপোকপী! নমোম্না রাত্রিদাস য়েংবা ভুমক্তিপ্রা, নচাবু লৌশিনরিয়োগবা ইমা" হায়না অঙাওবীগী মাংতাপ্পম কুমজলেম্নী হিক্কা হিক্কা কপ্পুনা মিংলুদা ঙাক্তুনা চেম্মাংক্লিপা পিবাংবু কৈথোক তৈথোকদতুং ক্যকপনা থোইরক্কক যোরক্লে। ফুমিং অন্দিদ ইগোই ফাংকোং পুনা তমব মুপা অনিনা পামেল শীংজা চল্লিবহু অবাক্লদ উক্পা মুরাগী মপুক্কিদ অকিবা চিংনবা থরদি কোকচৈ। কুমজলেম্বীনা লবুক লমহাং থংনা চৎতুনা থিবদা লোকলৈ পুললৈ ফংলক্রবদা পোল্লাং হাংনা হল্লবদি পলেম মমানা চৈরগনি কিজবনা পুলৈনা শৌজিন শাবা লম, হাওমুলোকী লোকমাঙ তাম্না চঙশিল্লক্কনা মথুংতা পায়রিবা থাঙ মচা অহুনা পুলৈ ককপা হৌরক্লে। মতম অসিদা নায়োম্দা লুমহুনা লৈরিবা পামব কৈনা উরহুনা ইথঙ থঙাহৌদনা পুলৈ মরক্কগী চোংথোরব্রগা মুরা লাইবকচাউবীদো পামবনা শরাক তম কৈরেলনা য়াথোং লোয়ে। মুবা মহাকনা পলেম মমা পস্তৌ মপা কৌদুনা কপচবহু পামেল শীংজা চল্লিবা তমব লিপা অনিহু ভানা তানা পামব কৈজাউগী মশক্তু উবদা কিবনা চঙশিনবা ভুমদহুনা ইরোই কাংকোং হুন্দোক্লমলগা থুল তাম্না চেল্লক্কনা থুনজাদা পাউ তমলরে। থুনগী নহা অহল ময়াম্না মথুংতা থংলায় পায়হুনা মায়নৈ মরিদগী লাউ থোংহুনা চেনশিল্লকপহু উবদা পামব কৈনা মুরা কুমজলেম্বীবু হুন্দোক্লমলগা নারক্কা লোৎখি। মীয়াম্না চেনশিল্লক্কনা কোনথংপদদি মুরাগী য়াইবী থরায় মঙাদো হকচাং পোলংলাং থা-দোক্কনা কোরৌ নোজারমলে। পাউ অসি তাবদা লোইবী চৌংদা কারুবা পস্তৌ মপা অপোকপা চেল্লক্কনা মযোমবু পমলগা নোং থোংফগুম কপলক্লে। ফুবাল্লা, নরানশৈমা থোইরেল হাওথংল থংল

অহুমগী মীয়াম্না মখুংদা থুংলায় পায়দুনা পায়বকি হেন্দোক্তুনা চেন-খিদনবা মীনা পললোন শানা কোয়শিল্লে। অহৌং চুম্না মীয়াম্না য়া-য়েকতুনা কৈবল শাদুনা লৈল্লে। নোংঙাল্লগা কাংলেন খাশি ক্রুমিংদা অঙম অথৌ কয়াইব পুম্নমক ঙমদ্রা চিংখদনা কংলা বা নয়ল্লে, মপু মোইরাং নিংথৌ অমদি য়াঙ্গোন নিংথৌসু সনা খোঙলোংকলে। ঙরাং য়ায়েল পরিং তাবা ঙমখিদবা নোংবানগী য়াকংতু অঙম অথৌ কনা অমত্তনা লংলা লংজিন পুখোকপা হুক্রেবদা য়া ঙাংনদনা তুমিম্না লৈনরক্রবা মতহংসিদা থোংকেন্না কমফমদগী হৌগংলক্তুনা কনা মাংদা চঙশিল্লগা থুরুম্মী। ‘ইনিংথৌ! নোংবাম্না কংলা পুংঙাউ য়ৈমুনা বাকংপা অসি ইঙাও চাউবা নোংথোন অমদি লৈবাকী অঙম অথৌ কয়াইবা অমত্তনা লংলা লংজিন পুখোকতুনা য়ায়েল পরিং ঙাবা য়ারগনি। মপুগী সনা য়াথং কংলবদি পায়মা লৌশিং থেম্লবা ননাই থোংলেন অঙম্বশিংগী মতেঙ পাংজগে” হঙ্গংলল্লে। থোংলেনগী য়ায়াহু তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা ননীং তমজয়ো তাকপিরে। নিংথৌগী সনা য়াথং ক লবদা থম্ব নোংবান অনিবু সনা মাঙদা কৌথোকলগা চাগদবগুম য়েংবদা থম্বদি মিংচাম্নবা ঙমই। নোংবানদি ঙমদে, মরূ লুক্কুনা থাঙই।

মনাও ইবুঙো য়াঙ্গোন নিংথৌনা পোকচবী মমোম চাংলেন থোইবীবু মমোম নত্তনা মমোম শাদুনা কেগে লৈবাক মীয়াঙদা থাজরুবনা মপু মোইরাং নিংথৌগী ময়ালনি।

মথক্তা মচেম শাংতবী মথাদা মমারসু পোমদবী অমত্তা পোকপী মমোম লাংলেন থোইবীবু ঙাহাক ঙাহাকী থন্দুনা তমব মুপা অনিদা ওন ওন্দুনা থাজরুবা য়াঙ্গোন নিংথৌগী ময়ালনি।

মীগী মচা নিঙোলবু মশানা য়ারে থন্দুনা মুংশিরুবা, নিঙোল পোকপা মপানা য়াদে থঙলবা ফাওবদা থাদোকপা ঙমদদুনা পামলুরিবা থম্বগী ময়ালনি।

নিঙোল পোকপা মপানা থাজরবসু লৈগদবা নিঙোল মশানা পামজদে য়াবিদে, খঙনা খঙনা নমতুনা লৌগনি খন্দুনা পাম্বোম ত্তিং-লুরিবা নোংবানগী মরাপনি।

মীগী মচা নিঙোল থাজবদা মথৌ মন্তনা মথৌ শাদুনা অচল ওইনা য়াওরুবিবা চাউবা খোংলেন ঐথোয় অনিগীসু ইরাপনি।

"ইনিংথৌ! মরাপনা মপোৎ ফারবা খম্ব নোংবান অনিগী রাকংপু লৈবাকী অঙম্বা ওইরবসু ইরাল লৈরবা চাউবা খোংলেন অনিনা রা-য়েনবদা অচুম্বা রায়েল পরিং ত্তাবা ঙমলোই। অদুনা ইচা মীচা য়োংলৈ মেলৈ নাইদনা অচুম অরান খঙনবা মীগী রায়েল থোক্লসি লাইগী রায়েল য়েংলসি মপু সনা নোংদমবিয়ু" হঙংলক্লে। থোংলেনগী য়ারাতু ত্তাবদা নিংথৌ য়ানিংলে, অঙম অথৌ ময়ামসু পামলে। লৈবাক নিংথৌগী য়ানিংবা মওং মতৌতু উবদা থোংলেনতু হয়ারে। খম্ব নোংবান অনিবু য়েংলগা "কাওরেল মাপা ত্তাম্বা ষণগুম্বা পামব কৈজেং লংজুম্বা খম্ব নোংবান অনিমক! লাইগী রায়েল থৌদা য়েংনবা বেগে কংলা শামাঙদা চাইমা পুং থোক্লগা ত্তিমেন তা চাইনদুনা নয়াইবক চাং য়েংনজরো। নোংবাম্না তা হুনবদা ত্তাখোক ত্তাংদা তয়ানিথোই চংলি খম্বনা তয়ামাথোই চংলি। অদুনা ত্তাখোক তাংদা তয়ানিথোই ওন্থোক্লগা চাইনা পুং থোন্দুনা লেংবা য়াদনবা নশা নশাতু থুকই কাওবা ফুমজিন্নগদবনি" হায়রক্লে। থোংলেনগী য়ারাতু ত্তাবদা কংলাদা ত্তিনবা মীয়ামদো রা মচেৎ অমত্তা ঙাঙদনা তুমিন তুমিন লৈনখি। নিংথৌ মচিল মনাওসু মরু লূক্ক্‌না লৈখি। অঙম অথৌ কম্নাইবা কনা অমত্তনা কৈ ফত্তে হায়রক্লবদা খম্ব নোংবান অনিদো থুক্ক থুনক কুন্দুনা মকোক নোন্দুনা সনা মাঙদা মপু য়াথং ঙাইদুনা লৈরকলে। মতমসিদা ফুবাম্না ময়ানশৈনা থোইরেল থুনজা অহুমগী অহন লমনশিংনা মৈহুম উত্তোং পুরগা কংলা ত্তম্না চঙলক্ক্‌না সনা মাঙদা ত্তুররে। "কেগে নিংথৌ ইনিংথৌ! ঙয়াং মুমিদাংরাইয়মদা কুমাবম চম্ব কুমজ-লেম্বীনা থোইরেম্তাকী লময়াই হাওমু লোকী লোকমাঙদা পুলৈ য়াহিঙৈদা

পামব কৈ থোরক্লুনা পামবনা শরাক তম বৈরেন্দনা য়াখোং ফোন্দুনা মুরা য়াইবী মাঙলে। ওয়াং কোয়ৌদগী খুনজা অহমগী মীয়াম্না মথুত্তা খুংলায় পায়রগা পামব কৈ চেনখিদনবা কৈবল শাহুনা লৈহৌরে" হন্জংলকলে। পাউ অসি তাবদা থোংফেন খোমোন নোক্লুনা হনা মাঙদা চঙশিন্লক্লুনা "ইনিংথৌ। চিংঙু থাংজৌংগী য়ায়েল থৌদা লাক্লে, নদাইরেম খম্ব নোংবান অনিনা চায়নাপুং থোন্দুনা ত্তা চায়ংবগী মহুত্তা খোইরেন্তাক্তা থাজিন্দুনা পামব কৈ ফাহল্লসি লৈবাক্তী অথাবা কোকহল্লসি" হঙ্গংলক্লে। থোংলেনগী য়ায়াহু চাউবা য়ানিংলে, নিংথৌস্মু পামলে। মপু মোইরাং নিংথৌগী য়াক্তা উবদা থোংলেম্না "পারি শাজৌ, মাকলৌরেম নোংবান! নথোয় অনিনা হয়েং ইঙ্গুং ঙানবগা খোইরেন্তাক্তী লমদম হাওমু লোক্তী লোকমাঙদা কুমলগা পামব কৈ ফাহুনা লাইবক চাং য়েংনজরুয়ো মহুনা চিংঙু থাংজৌংগী য়ায়েল থৌদা ওইনরসি" হায়রক্লে। মপু মোইরাং নিংথৌনস্মু 'ইদাইরেম অনিংক। লৈবাক্তী অরাবা কোক্লবা পামব কৈ ফাহুনা লাইবক চাং য়েংনজৌ। পামব কৈ ফাবা ঙম্বা অথোবদা ইমোম লাংফেন থোইবীবু শাক্তা মনা ওইনা পীগনি" তাকপিরে। য়াজোন নিংথৌ চৌংথু নহা হেলইহৈদস্মু য়ামবুংনা তাকপিবগুম পামব কৈ ফাবা ঙম্বা অথোবা মঙোন্দা ইমোম লাংলেন থোইবীবু অণ্ডং অচৌন ত্তমহুনা লুহোংগনি ইবুথৌ থাংজৌংনা পলেপ্পবা ওইবিসম্বু হায়না শরি পন্দোম লোম্চক্লে। হন্দক্তি য়াজোন নিংথৌ মরিল চুনথোক্লে, মমোম লাংফেম থাজবদা থাংজৌং চাইহু পন্দুনা শরি পন্দোল লোমজে হায়না লৈবাক মীয়াম্না ঙাঙনখি।



কুন্মাথোইশুবা মতাং

কৈ ফাবা

খম্ব নোংবান অনিনা থোইরেন্তাকী লময়াইদা পামব কৈ ফাগনি হায়বা পাউসি কেগে লৈবাক শীনবা খুংথে চাউবা থোংচেন অদুদা অনিচু অহীং নোংশোইবা লমজেন থোইরেন্তাকী চহম হাংজুলোকী লোকমাওদা ফুবাল্লা, নয়ানশৈনা, থোইরেন চাংথুংগী মীয়াম্না কৈবল শানা মথুংতা থুংলায় প্যামব পায়রগা কৈ নাম্থোকখিদনবা অহীং মীশেন থাংলিবচু কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখি। অহীং চুপ্পা মীয়াম্না কেগে লৈবাকী কম্নাইবা অঙম অথৌশিংনা কৈ ফাবা কুম্মে য়েংনবগীদমক্তা শগাই পয়েং পয়েং শাবম্ লোইরে। মোইরাং নিংথৌনা কয়্নবা কুরাককাং কৌবা মথোল মাপল লোংবা শগাই শারে। কবুই চীংশাং লাকপা শলাং নিংথৌদি মোইরাং নিংথৌগী মথা পোনবা নিংথৌনিনা শগাই মথোল লোংবা য়াদবনিনা কুবাওগী ফাল মাপল লোয়রগা কম্নবা থারে।

ইঙাগী নোংমা পানকা চুম্লিংকী অয়ুক অঙনবদগী হৌনা কেগে লৈবাকী মীয়ামনে, লোইবী হাওয়ামনে তম্না চাকঙল চান্নগা খম্ব নোংবান অনিনা কৈ ফাবা কুম্মে য়েংগদবগী তিল্লিবা মীয়ামগী মীমিলচু থোইয়াম্না ঙংহুনা পাইবগুম পুমনিল নিনথে। নোংমাই খম্বদি মচা-ইরেম্মনা থোংবা তম্না মথেল লুকোই চান্নগা পলেম মমা শক্লবী মচেম থমহুবু খুকমলগা মথুংদু তিমেন হকথাংতা তারোলতা পুন্নগা থোঙ-শাল্লকলে। কৈরোইজাম্বগা লমথাদো থেংনহুনা মশেল মবাই থোই-রেক্তাক পাংলক্লে। নোংবান অথা কোংয়াম্বম্ তালোয় অতোম্বীমা থোংবা তম্না মথেম লুকোই চান্নগা মথা খুম্থোবা খজ্রাকপা পলেম মমা খুরাইজাম্বী অনিবু খুক্লগা মথুংদু তিমেন হকথাংতা তারোমতা পুন্না থোঙশাল্লকলে। লৈবাকী কম্নাইবা পুন্নমকম্ মাশী মাগী শগাইদা

ফম্লপ্রে। চাউবা, থোংলেন অঙোম খজ্রাকপম্ভ থ্ংলরে। মপু মোইরাং নিংথৌ মচিল মনাওস্তু মনাইশিংনা খৌগল তৌরগা শগাই থক্তা ফম্লপ্রে। শলাং নিংথৌসু মরোই হাওল্লামগ' লোয়ন্না থ্ংলরে। কৈবাক্তী অঙম অংগৌ ফমনাইবা স্নুনা তিল্লক্লবদা খম্বনা মোইরাং নিংথৌ, রাজোন নিংথৌ, শলাং নিংথৌ খুরুমলগা মপা শক্লবা থোংলেন, মমান চাউবগী নাক্তা চঙশিল্লক্ল্না খুরুমলে। অঙম্বা অনিনা পুকমেন পাওমেম্লরগা কৈবলদা চঙলা নপা ইত্তাও পুরেম্বগুম নোংযাই নঙস্তু পামব কৈ চঙনা ক্ষারগা নিংথৌদা কংকদবনি হায়বকলে। মপা থোংলেন মমান চাউংগী ময়াথংবু কোক্তা থোংলগা খম্বনা অকিবা কৈতনা হুইরোই স্নুপা মরিগা লোয়ননা কৈবলগী মমুংদা চঙখিত্নুনা মথা পাংনা পামব কৈ থিবা তৌরকলে। খম্বনা কৈ থি, কৈনা খম্বগা থেংনদনবা থৈত্নুনা চংলি। অমরোমদনা নোংবাম্না মপু মোইরাং নিংথৌ, রাজোন নিংথৌ খুরম্নগা মপা খজ্রাকপগী শগাই তাম্না চঙশিন্দুনা মপাগা পুকমেন পাওমেম্লরগা হুইরোই স্নুপা মরিগা লোয়ননা কৈবল মমুংনা চঙশিল্লক্লে। নোংবাম্না কৈবল মমুংদা চঙলগা অরাং পাংনা লাক্ল্না কৈপা থেংনদনবা চীংথক তম্না কাথংকুদবগী তৌরিবত্নু উবদা মীয়ামনা ওকত্নুনা করিগীনো হংনরকলে। খম্বনা কৈ থেংননবা থিগদৌরিবনি থুম্মী। নোংবাম্না হুইরোই থাজিনত্নুনা কৈ লৈবা মফম থিহল্লগা কৈ থেংনদনবা চংলবস্তু কৈনদি নোংবানবু থিরক্লে। কৈমা নাকোয়ন্না চংখিত্নুনা নোংবাম্না লাকদবা লম্বীদা থংতুনা লৈরে। পামব কৈগা নোংবানগা থেংনরে হুইরোই মরিদি নাথৈত্নুনা লৈপ্রে। কৈপা নোংবানগা মায়-য়োক্লবদা মিংকম হোংনদনা মিংচাম্লত্নুনা অমনা অমগী অশোয়বা য়েংনত্নুনা লৈনরে। পামব কৈনা মনা নাজোন থ্গুল্না চেগপ চোংগে তৌরক্লবদা নোংবান স্নুংশাথীত্নুনা মথুংতা পাম্লিবা তানা পামব কৈদা থিল্লগা মাইবী মথরায় লৌরগে খল্লত্নুনা থ্হুম চেংনা পাম্লিবা হাত্নু কৈগী মথবাক তম্না শাক্ কম্না থিল্লকলে। পামব থ্ংনা শোম্লরগা কৈরেল মানা হৈবা শানি, কৈরেল মানা শোম্লরগা পামব থুংনা হৈবা

শানি। শরিং শরাং হৈবা মীংদৈ নারৈ থুবা কৈনা মথৎাক ছম্না থিল্লকপা তাত্থ মখুৎনা তাঞ্জিন বৈথবগা চোংশিল্লবদা নোংবাম্না ছা শংলগা অমুক থিনগে চোংনবা নংহৌদ্রে কৈগা শাথেংমরে, নোংবান থুংলায় থারে, কৈগা নোংবানগা নম্মরে। কৈন অমুক মথকথং নোংবাম্না অমুক মথকথং থরো থরো ওন্দুনা নক্নরে নোংবাম্মো রাথল লৌশিং মাঙলকালে। নম্ন নম্না কৈগী থৌরবা খুজিলনা থোংপদা নোংবামগী মশাক্ত ঈতিং নাহিং শাবা। কুইর কুইরণা কৈনা লাকচরক্লে, নোংবাম মপাঙ্গল শোম্বকালে, তৈফম থঙদহুনা মতাও খম্ব কৌরক্লে। ইভাও থম্ব! পামব কৈগ শাথেনবদা পামবনা লাকচরে নতাওগী য়াইবী কনবিররো হায়না লাউরকপা নোংবানগী যারাত্থ তাবদা খম্বনা হুইরোই মরি হুন্দোক্লমনগা নোংবাম কৈনা য়াইবৈ তম্ম থেংবলে। "ইভাও ইবুঙ্গো ওইনিংমখো পামব নাম্বাবহনিংগন্থ কৈরেল চৎনা ফাসি হায়না খম্বনা লাউব-লাউবহুনা চেনশিল্লকম্থ উবদা লৌশিং শিংবা কৈছু নোংবান হুন্দোক্লমলগা নারক্লা চেনশিনাথ্র। নোংবানদি কৈন চাকপগী চৈমা-খোল থাবদা লৈমান থক্লা থবো থবো ওন্দুনা লৈবমলে। খম্বনা চেনশিল্লক্লুনা "ইভাও ইবুঙ্গো, পামবন শবাক তম কৈরেলনা য়াথোং লোনবন, অনা চৈনাখোল ফংলব্রা ইভাও? হায়না মওম্পাক্লা কোন-খৎলংদা নোংবান মমিং পাংথোকক্লুনা মতাওদু চিংনা য়োংলগা মিংলুদ পিরাং শিন্থকলে। মতাও নোংবানগী মংৎ মাওৌত্থ উবদা খম্বনা ইভাও ইবুঙ্গো, পামব শাথেংনবদা শামা পাজল মম্নেং তাব্রিবত্থ থরাই লাইকম্নরগা পামব য়াইবী লৌবিখো, ইভাওগী শামা নতেঙ্ক পাংজগে" মীম্নুংশি চাউবা মতাও খম্বগী য়ারাবু তাবদা নোংবান থম্মোয়হুংদা পেল্লবোই হিক্লা হিক্লা কপলকলে। পামবগা শাথেংনবগী চৈনাখোল থাঙবদা রাবনে, কৈনা শোকপগী হুনা মশা পুম্বা থুমহৎখিবগী থৌ-শংনবনে নোংবান রা ঙাঙবা রারে। মতাও খম্ববু য়েংলগা রাহৈ মতেক মতেকনা "ইভাও ইবুঙ্গো মুংশিবা লাইজ থুয়া অমতদি পিথকহুনা মতাওগী অয়াম থৌরাংবা অসি কোকহনহিয়ু। মতাও নোংবানগী য়ারাত্থ

তাবদা থম্বমা ইতাও ইবুঙো, হুগী ময়াইনা অয়াম খোইরাংহুনা খো-
গংলিবনি, লাইজা ঈশিং থক্লবদি পামব কৈগী হুনা হকচাং শিনবা
থংখ্রবদি লায়েংবা য়াগনি, য়াম্ববস্তু য়ানা য়াংলেন মিকুপ থরদ দি
অয়াম খোইরাংবা থাংবিথো, নতাপগী নজকসিদা বোংশিরে। কৈবল
য়াংমদা পুক্লরগে পন্থো শনাং মাইববু থরাই লাইকয়হুনগে। মাগী-
দমক্তা কনদবা থম্পুনা হায়রিবা থম্বগী য়ারাহু বওইনা তারমদে। অয়াম
খোইরাংবগী মৈচাক্সা থাউবা ওমকত্রুবা নোংবানদো অয ফও হ থল
পুমমক তুংওইনরগা মতাও থম্বু মখুক্লিংদা য়াম্নৌরকলে। "ইতাও
ইবুঙো। অহৈ খোরি কৈথেন্দা শামু খোঙদা য়েং লাজোই খোংদা
পুম্বমা শিবা মচেং থাক্সা অনা চৈনাখোল ফংজক্লবদ। ইতাওনা লাইজা
ঈশিং থজিক্সা থকে নিরকপহু নোংবান এনা ঈশিংগী মহুংও খোরি
কৈথেলগী উকুপ য়াইফুল খোমলগা ইতাওগী খোবোম থম্ব ইনশিন
খিবহু মীংশিংলক্লনা লমন থুংগে থল্লবরনে ইতাও। নোংবানগী য়ারাহু
তাবদা শাউবগী মহুংতা মীম্বংশি থউবা পুকচেল চাউবা থম্বদো মখিংতা
লিগী ঈরা চেন্নকলে। কার য়ারানো ইতাও ইবুঙো, য়াথমহু থল-
লুবদি লায়রহুনা কাউমে নতাওদি। ইতাওনা ময়াম্ব্রহনিনা লাইজা
ঈশিং লৌরুখিগে তাহাক্লং অয়াম খোইরাংবা থাডাবিরম্ম হায়রমলগা
থম্ব ঈশিং খিবা চেনথি। পাংখোক লাদা ঈশিং হাপলগা পুরক্লনা
মতাও নোংবান্দা পীম্বকলে। থম্বনা পীংকপা ঈশিং অহু থকপদা
খোইরাংবনা খোগংনহুনা য়াংমলবা নোংবানদো থম্মোয় পেল্লহুনা মতাওবু
চিংনা য়েংলগা ময়াল নৈজদবা থম্বু ময়াল কয়া শিঙ্জিনহুনা লাক-
নথিবা মেক্রুবনি থম্ল্লবা পুয়দকন্থু মপুক্লিনা নীংশিংলুরগা নোংবান
থম্মোয় পুবা য়ারক্লবোই মতাও থম্বু কৌগা হিক্সা হিরা কপলকদে।
মতাওগী মীকপখোল তাবদা থম্ব মাস্থু মতাওগা বোমহুনা কপহিরদে।
অস্থুরা তাহাক কপলুরগা নোংবাম্বা মতাও থম্বু য়েংলগা "ইতাও
ইবুঙো হুংশিবা হুগী ময়াইনা খোগংনহুনা থরায় থাবমলগদবা নতাওগী
ওমচাক্লরম্বা থম্মোয়সে ইতাওনা হুংলিনা পীংকপা লাইজা ঈশিং থকপদগী

ঐগী থম্মোয় অসি হায়নিংঙাই লৈতনা পেন্দলে। খুদক্তা য়াইবী থরায় থারক্সু য়াম্মে পুক্রিংদা করিমত্তা চিংনজ্রে। পোকপদগী মীহোন্দা সানজরক্রবা মীয়ুংশি খঙবা পুকচেল চাউবা নঙোন্দা কল্লক মীহৌ-চাউবা নোংবান ঐনা হয়া হয়া লাঞ্জখিবা ইরালশিং অতুগী খল্লবদা নীংতম্দনা নত্তাওই থম্মোয়সে পুবা ছমংজ্রে। ইত্তাওনা ঐবু মরুপ্পি খন্দুন মতম পুম্নমক্তা ইত্তাওগী য়ানবা মাঙন্দবা ফত্তনবত্তা শীনখিবা অংগী নমন অহু ইত্তাওনা নিংজ্রবস্সু অমম্বদা য়ায়েনবা অত্তানবদা থোদাবা চিংন্দু থাংজৌং লাইনা উবিরদুনা ইরাংগী ইথিক ইপা চংবা থোয়ুম চৈথেং নীবিংক্লনি। লাংদবা ইত্তাওনা পামন্ কৈবু ফারগা লৈনাকী অরাবা কোকহল্লু, কৈফাঙল ওইনা মত্তাইবেম্মা থোইবীদ্ মনা থইনা লৌনিয়ু। পোকপদগী মংদনত্ত লাল্লবা ইত্তাওনি, মতম কুইনা য়ু ঙাই রাইফনা অম্মাং অপা কৈজনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পানবিরকথো। ঐনা লঙজখিবা ইরাংনা ইপোং ফারবা নোংবান ঐদি ঙাইবং মীলম-লেন থাদোক্কুনা থংমুং শর ঙাল অমলগী য়াইথোং কুমজগে’ ঐনা লানখিবা চত্তেখিবা পুম্নাক্ত নত্তাওনি হন্দুনা কাইথোযম্পিরগা নোংবান ঐগী ইরাল ঙাকাপিয়ু। অসি হায়রমলগা কৈগী হুনা মশা শীনবা থুংনা কুপথরবদা নোংবানদো মহিং উইশিনজ্রে, শোয় চশিং চরাং শম্নহিজ্রে, অরোইবা য়াতিপ ঙানজ্রে। খন্দুনা মত্তাও নোংবাদবু কোল্লগা ইঙা নাংলেন নোংনা খোংবগুম মথোং থাকলা কপলবলে। মতম অসিদা খম্ব নোংবান অমিগী হুইবোই নিপালহু খম্বগী নাক্তা পুংহরে। খম্বনা য়াইবী থরায় মাঙলবা নোংবানবু পেংগা কৈবক হাংমদা পুথোরবপন্থু শগাই মথক্তা কুম্মে য়েংজিবা অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্নংকনা উরে। নোংবানগী মপা থুংহৌবনা শগাই মথক্তগী কুমথরগা খম্বগী মনক্কলদগী মপারি নোংবানবু ওকজবদা য়াঙবী মথরায় য়াওজ্রবা মপারিবু কোল্লগা নোং খোংফগুম কপকবলে। মোইরাং নিংথৌ চৌংথু থেং হৈবা মনাও ইবুঙো চৌংথু নহা থেংহৈনস্তু শগাইদগী কুমথরক্কুনা ভয়ম নোংবানবু হুংশিনা নানহিরে। পামব বৈনা শোক্কুনা নোংবান য়াইবী থরায়

মাঙবগী পাউবু তানদা খোইরেঙ্গাকী লময়াইদা খোঙ্গাবন খোঙ্গনা ঙংবগুম নীঙ্গম্বা সীয়ামদো রা মচেৎ অমতা তাঙনদনা তুমিন তুমিন লৈনখি। অঙোমগী শাগৈ নাতৈ মরুপ মশাং ময়ায়া নোংবানবু বোঙ্গনা কপনখি।

মতাও নোংবান থনয়গা খম্বদি অশাওবনা মাঙলক্টইনখিদুনা মথুংগুম তা থুত্তম চেংনা পায়বগা কৈবল মম্বু'দা চঙখিদ্রনা পামব কৈ নৈদ্রনা থিবা হৌবকলে। মাগী হুইরোই মরিনে, নোংবানগী হুইরোই মরিনে পুন্ন হুইবেই নিশাল য়েংলগা থদুনা "পম্ভৌ মানবা ইপাখোম্ব' পামব কৈবেল নাম্বোকহনখিবা য়াদে মায়গৈ মরিদা চাইথোবলগা লোংউপ তংনবগুম পামব হোইজিনবিরকউ" খোদারে! হুইরোই তমব সুপা নিপাসনু শমজি থায়নদুনা মায়গৈ মরিদগী পামব কৈ নৈদুনা থিবা হৌবকলে। শাত্ন য়াংগেল মবক্কা শাথ্‌পলম্বা, হমক্র নারোম্বা নাথ্‌পলম্বা পামব কৈরেলত্ন লোংপা য়াদনুনা খম্বগী মমাঙদা চোংথোবকলে। খম্বগা পামব কৈগা শামা মায়োক্নরে, মমিং মরিদো কুপনদনা শংত্রিক য়েংনদুনা মিংচাম্নরকলে। তাং হৈবা পামবনি, শদিং শারাং থ্‌বা কৈনি; রায়রা শাথেংনবদা হনবা কৈত্রবা নোংয়াইনি, অকিবা খঙদবা থোনা ফবা খম্বনি। অমনা অমবু পাক হেক লংকচবা ঙম্নরোইদৌরি। কৈনা চেগপ চোংই, খম্বনা খেংগৌ চোংই। কৈনা চোংশিল্লি, খম্বনা লৈথোকই। খম্বনা চোংশিল্লি কৈনা চেগপ চোংথোকই। অসুম্না কৈগা খম্বগা অনিনা য়েং ওইদা কৈথোক লৈশিল চোংথোক চোংশিন তৌনহুনা অমনা অমগী মিকুপ নাহুম য়েংনহুনা অশোয়বা থিনহুনা অহোবা অহাংবা থমনদনা মানা কৈদা হেনগনি, ত্রৈনা কৈদা রাংকনি মতাগুম পামব শাথোনরিবা খম্বগী মতিক মথৌনাত্ন উবদা মীয়ামা নোংয়াই মাবু থাগৎনখি। অসুম্না রাংলেম পুংথায় অমরোম খম্বনা কৈগী মপাঙল মথৌনা লৌথোক্ত্‌না রাহনবা কৈগী হৈনবী খঙদোক্লবদা পামব কৈত্ন য়াইবী মথরায় লৌয়গে মপুকনিংদা চপ য়ুংনা লেপলহুনা মথ্‌-সু তাত্ন থুহুম চেংনা পায়রগা খম্ব পামব

কৈরেল তম্না ফুজিল্লকলে। মিংকম হোংদনা খোঙকম লেঙদনা শাথেং-নবনিনা কৈনস্থ লাকচদে খম্বনস্থ লাকচদে। অস্মা ঙাহাক শাথেংনবগা খম্বনা য়েংলোমদা চোংগদমানে হন্দুনা কৈনা খম্ব তম্না চোংশিল্লকপদা খম্বনা পাকথরগা কৈগী মথাদা ছানা লোংনা ফিনবদা কৈছু লেঙবা ঙাংদতুনা ময়া কাতুনা মথরায় থারে। শিজিন্নবা ওইরমগনি খনদুনা খম্বনা তা শংতে। হুইরোইশিংনা চেনশিল্লক্কুনা কৈ শিরে লাউরক্লবদা খম্বন' তা শংলি।

হুইরোইশিংনা অশিবা কৈগী মখোঙ মরিদু থুমাংগা থুমাংগা থুদুংগা থুদুংগা চেংনা পুনশিন্দুরগা চৈ লোন্দুনা কৈবল রাংমদা পুথো-রকপগা নিংথৌদা কংলে মতু উবদা শগাইথক্তা কুম্মৈ য়েংলমবা থোংলেন শগাইদগী কুমথবরগা ঙৈগ্রি শরুনা জগোই শাখি। নিংথৌনা মদাইরেম খম্ববু চেংনা কোনবিরে। "হয়ুম অচানবা! নঙবু পোকপা পুরেম্বনা ভোরবুংদা পাংব কৈরেল মাপল ফাখিবদু ঙসিদি নৌহৌনা নীংশিংলুবনা ঐগী থাম্মোয়সে পেল্লে। ইদাইরেম পুরেম্বদা পীখিবা ভোরবুং থুমখোং মাপল লোক্তোক শোইমিং মাপল, থুরাই তাংবল শোই চাজরো। কংলা থৌগালদা দোলাই ভোংজরো কুম্বদা লাচোই শগোল খোঙনেংনজরো, পে অরাংবা থনজরো তাকপিরে। নিংথৌনা খম্বদা মনা মথুম ময়াম পীবদু তাবদা অঙম-অথৌ পুম্নমক হরাওনখি। রাজোম নিংথৌনা মশাদা থোক্লিবা মমল য়াম্মবা মুকি মুগানা হংতুনা শাবা চৈরে নমথাং মনাই খম্বদা কুপপিরে। কবুই শলাং নিংথৌনা মঙক্তা শিন্নিবা মমল য়াম্মলবা নোংথৈ, পরেংচু লৌথোক্লগা মপারি খম্বদা শিবিরগা মুংশিনা কোনবিরে। খম্বনা মথাই কৈরোইজাম্বগা লোয়ননা লায়রশঙ পাংলকপদা থরাই থোঙ্গাল্দা মতুনিংথৌ হল্লকপা ঙাইজরিবী পুলেম মমা শক্লবী মচেম থমম্নুনা মতুনিংথৌ লাকপা উবদা ঙাইঙমদনা চেনশিন্নক্লগা খম্ববু মুংশিনা নানবিরে। মুংঙাইবনা থুমহংখিদুনা মিংলু নাপোম অনিনা হৌরকপা পিগী ঈরাগা লোয়ননা "ইচেমগী ইবুঙো ইচুনিংথৌ! লায়রবী নচেম্মা নোংমতবু নবুক থম্মা তরা পীজবা

ঙমখিদবনা শামা পাজল মপুং ফারমচোইরা পাহ্মা সুংদা চিংনম্বত নপাজল নথৌনানা পামব কৈরেল ফাহনা লৈবাক্তী অরাবা কোকহনবা পাগী পারেপ ফংজবা পুগী পুরেপ য়ৌজবসি উবদা ইচেম পেল্লে। ইচেমা নঙবু শামা পাজল শারেপ ফানবা য়োকচবকপগী মতৈ য়াল্লে, ঙসিদগী ইচেমগী লমন কোকচরো, নহাক্না নীংবা থুংজরে। পলেম মমা শক্লবী মচেমগী সুংশিবা যাবা মপাউন্দ তাবদা থম্ব থম্মোয় পেম্না সুংঙাইজরবোই "পলেম শঙ্গী ইচেমগী লোক্তমতং চসি ন নংথোনা কোগে মীরক তিনবা নিংথৌগী মনাই ওইবা ফংজনি হায়না মমা শক্লবী মচেমবু চেংনা কোনজখি। থম্ব থমন্ন চিঙা লৈপাংগী মাঙ থাবগা হৈরোইজাম্বনা তুংদা লায়রম্বু খঙ্গ চঙঙক উবদা মাঙ্গোন্দা ঙাইক্তবিবী মজাইবেম্মা থোইবীদু থম্মোয পেম্মা সুংঙাইজখি।

নোংঙাল্লগা নিংথৌনা মনাই থাংজুনা কৌংচরবদা থোইবী সেম্ন মপু মনাই তম্পাকযুম তাম্না লাক্নুনা পম্বৈব থুকমজখি। কেরৌ অফবা থাবান অচৌবা য়েংলগা কেগে কৈনাক মীয়ামগী মমাঙদা অমত্তা পোকপী মমোম থোইবীবু লোংয়াই থক্নদা লুহোংলে। চামা চামানা থুজিং ওইহনা ডিনবা অউন পোংয়ামহ উবদা মীয়াম লক্লখি। থাবুম অমা মপুং ফানগা থম্বনা মপা থোংচেনগা তান্নরগা মনাই অঙোম হৈরোইজাংদা মচেম থমন্ন লুহোংনিরে। অদাং বাদা রায়থুংনাল সুংশি কাদা য়ৌনসি চিংঙ থাংজৗং পল্লেপনা শরি রাশক পন্দোল লোম্নখিবা থম্ব থোইবী শংবী শাংৌ অনিদো অরা অনা শক্লক য়া-খিমরগা অপাম সুংশি রায়থুংনহনা সুংঙাই য়াইবী মরাংে কায়ন কেগে মোইরাং কৈবাক্তা পাননিম্নখি।

———

অশোইবা য়াহিপ

নো য়াই পুরুম্বনা শান্দ্রিম্বা কা মাপলগী য়ুমজাওদা খম্ব খোইবী অঙিদো সুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পাল্লকপা চাইদাম থাবুম অহুম মপুং ফারে। চিংজু মানা ভুমখিবা খোয়ুম মাগী নোংদমখোলবু নমু ঙাইবং কনানা ককপা ভুমংলি। উননি পুক্লিং চিহিংবা শাবি শানৌ অনিতু কোপে মেংহরাং কৈংবক্তা চাংয়োল সুংরেল ঙাদুনা সুংঙাই য়াইফল। পুন্সি সুংশাংনা পামমিন্নৌ ভুংকত্রবোই। মশানৌ খোইবীগী পায়মা পুকনিং খঙগে মাদু সুংশিংগী চাংবু য়েংগে খম্বগী পুক্লিংদা নৌহৌনা খল্লকলে। নোংমা খম্বনা মুমিং হেক তাবগা মরানয়াইদগী থোকখিবত্তু ইমুং মমৈ বায়রকপা ফাওবা মরানয়াইনা হল্লকখিদে। সুংদাংগী চাক-সেন পোং-থাকপা লোইরগা খোইবীনা তবা চাদ থক্কবমথৈ মবুঙোতোন খম্ববু ঙাইতুনা লৈজখি। অহীং তাংলৌ রাম্বরক্কবদা মনাই মশলস্থু খোমজেন তুমথুল হুংগ্রনা মতমদা থম্বনা মকোক্তা চরৈ ফিনা কুপ-শিল্লগা খোংজিন্দা নপুনা চেংলৌ মশক লোৎতুনা য়ারা খোনফম ওন্থোক্লুনা কেগে পাখং শারগা নাশোল পিক্লা খোইবীবু কৌরকই। "শানৌ খম্বাজমানবী মঙাইবেম্মা খোইবী নঙবু তারিব্রা? নশাবি খম্বদি লৈকায়গী মশক মতৌ চঙখোনবী চম্ব নিঙোলগী থাঙ্গ নিঙোল কাদা চেক্লাওম চিনদিম্লনা য়ারেকতুনা লৈহৈরে। নশাবি খম্বনা হল-লকত্রিবৈদা পায়মা খোয়জনা সুংশি রারী শানবা খোংজি নাতৈ কাংবিরো। তাইহৈদবা য়ারাত্তু তাবদা অশাউ থাংগী মৈচাক্লা ওমচাক্লরবী খোইবীনা মথুংশু থাঙতু থুহুম চেৎনা পায়রগা খোংগী পৌরোন শং-তুনা খোংজি মরুমদা লোম্না কেপ্পুনা লৈরে। খম্বনা মকোক্তা চরৈ ফিনা কুপলগা শক লোৎতুনা খোংজিন কানশিল্লকপদা খোইবীনা মথুংস্থু থাঙমা খম্বগী মতা ফবা থবাক্তা থিনবদা থবাক ঈরম কাংনা ঈমু [ফিরাক থায়রে। থম্বত্তু লেংবা ওমদত্তুনা লৈমায়দা ফমথরগা থাওফমদগী চেম্বরকপা ঈচেকত্তু মথুংনা মেহুগা "সুংশিবী ইশাংৌ নঙোন্দা

পায়মা রাখল থেল্লবা নশাবি খম্ব ঐনা লংঙ্গখিবা ইরাপ ঙাকপিন্নু। মশাবি খম্বনি খঙলবদা থোইবীনা মশাকি কোঁকুগা "শাকি থংলেন লোয়ুম্বা! লাইবকচাউরবী ননাউবু কবিগী অদুক হাকনা থাজবি-দবগে" হায়না লাইজ ইফুংকুম চেম্বরক্লিবা ঈচেলত্থ মরাগী মথুংনা মেনজবদা ঈচেল থিংবা ঙমলক্রুবদা থোইবী হিক্লা হিক্লা বপককলে। শামা মশাঙ্গল ময়েং তারকপনা খম্ব রা ঙাঙবা থোকত্রে। মশাকিগী মুংশিরবা মায়থোংত্থ হম্না হম্না চুপলগা থোইবী মখোল খোরা কপ-লকলে। অঙাংত্রদা থোইবীগী মীকপাঙোল ওাবদা মুমজোকবা মীয়াম চেনশিল্লক্নলা খরাই লায়কম্নদা ঙসদনা খম্ব য়াইবী থরায় থারে। খম্বগী য়াইবী থবায় মঙাদে। শম্মু হকচাং পোক্লাং থাদোক্লগা চেক্লচাগী শক্তম লৌরগা শন্দংখাদা ত্তোংতুনা লৈরে। মবৃঙোতোন কায়না মৈচাক্ত থাউবা ঙমলকত্রবোই খম্বগী মথাক্ত মুংলিবা থাঙত্থ শংলগা "শাবি থংলেন লোয়ুম্বা! ননাওবু ঙাইবিরমখো পাম্মা হৈনা তুংইমজরক্কে" হায়না মথুংস্তু থাঙতুনা ঈমু কিরাক খায়না মশাকিদা তুথারে। মরা য়াইবী থয়ায় দঙ স্তু চেক্লা শক্তম লৌবগা শন্দংখাদা তোংমিল্লত্রে। থরায় চেক্লা অনিমক কোয়েরোথক্লা চেক্লা শাখপ তম্না খমলুং লৈবাক তম্না পাইমিন্নখি।

খম্ব থোইবী অনিনা অপাম মুংশি শেংননা য়াইবী থয়ায় থামিল্ল-খিবগী পাউসি তাবদা খমন্ন চেম্লক্লে। চাউবা থোংজেন থুংলরে। নিংথৌ মনাও ইবুঙো সনা খোঙ লেংলক্লে। কেগে লৈবাক্কী ভক্তম অথৌ ফম্নাইবা মীয়ামদো শাবি শানৌ অনিনা লেংজোংতুনা মালেমথক্তা তারিব চেংলৌ শক্তমত্থ উবদা তিংল্লিবা মীয়ামদো ত্তরুং লাইজ শিম্বুনা মখোল খোবনা কপ্লরকখি। খম্ব থোইবী অনিগী মুংশি শাইথম্না রারী অমু কেগে মোইরাং মুমথোং থুদিংদা শোল্লখি। মুংশি চাংয়েংদা য়াইবী থামিল্লখিবা ইঙা থাগী তরামাপলনি পানবা মুমিং অসি কেগে মীয়ামগী নিংজেমদবা মৈচাক্লা তরা চরা হেল্লুনা খবক ইনথাং শুবা জেপ্লখিবা কেগে কৈথেল মপু কংলা লোয়শঙ পুম্বা থোং লোল্লখিবা নীংশিং মুমিং ওইখি! মোইরাং শাইথনগী মুংশি রারীদি মসিনম্তু মতোল লোমত্রি।

—:(✱):—

মোইরাং শাইওন

(মরিশুবা শরুক)

ঐইবা :—
শ্রীসরাংথেম বরমণি সিংহ, সাহিত্য ভূষণ
চিংঙাখা চনম পুথি মপাল, ইম্ফাল।

ফংফম :—
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং অতৈ লাইরিক যোনবশিং।

মমল—লুপা ২৫

য়াওক্ষম তাকপা

হীরম — লামায়

কদেং থাংজহনবা—তোম্নু লাইজিংলেম্বী

১। কদেং-তোম্নু শকথঙনবা — ৫১৩
২। ৱারেপনবা — ৫২১
৩। কায়নবা — ৫৩২
৪। রায়থুংনবা — ৫৪৬

উরা নহা খোংজোম্বা—পিদোংনু

১। শাইদাংবা — ৫৫৫
২। শকথঙনবা — ৫৬৩
৩। রাশক তেমশিংনবা — ৫৭৫
৪। কংলা রাকং — ৫৮৩

অইবা মশানা ফোঙজবা — আনিশুবা থুংনম, ১৯৯৫

ছাপা মফম — 'লৌস প্রেস, শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়; ইম্ফাল।

কদেং থাংজহনবা–তোম্বু লাইজিংলেম্বী

কদেং–তোম্বু শকথঙনবা

য়াইস্নু লাবা পোংতনবা কদনবনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পানখিবা নিংথৌশিংগী সনা মহাক থক্তা মুংশি শাইওন খোঙদামিন্নখিবা শাবি শানৌশিংগী অপাম মুংশি য়াবী কয়াবু মশানৌ মনেম্নচা মোয়ী থৌদনবীগী মফমদা মথং মনাও নাইনা লৌবিখি। হৌখিবা থৌদোক য়াৗনি খঙনা খঙনা হয়াও নুংঙাইবা য়াকম কয়াদা মপুক্লিং তানা থম্মোয় পেন্না নোকচে. অন্না অনা নংবা কাযনা নৈশা লাংবা থৌদোক কয়াদনা অয়াবা শকক য়াহুনা থম্মোয শেকনা মিংলুদা তবং লাইজ শিন্থবম্বু মযাওই। অস্তুম্না শাবি শানৌশিংগী মুংশি শাইওন য়াবী কয়াবু লৌবকপনা পুখিংলাই লাইজিংখু পুনশিবনা কোগ মোইরাং লৈবাক্তা পানবা মংমদা থোকখিবা কদেং থাংজহনবা তোম্বু লাইজিংলেম্বী শাবি শানৌ অনিগী মুংশি শাইওন য়ারী মখা তানা লৌবিরকই। নিংথৌ সনা মহাকথক অসি অয়াং অপা লৈতনা ঙাহোং চাবহেংনা নুংঙাইনা পানবা মতমনি। নিংথৌনা অঙম অথৌ কম্নাইবশিংগা পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা অয়াং-অপা তাথোক তাশিন তৌনহুনা পান্নকপনা যুমলোন্নবা লৈবাক খুমন, লুয়াং, পোইরৈ মৈতৈ অমদি চৌংবুবোই তম্বুম্নোইশিংগী নিংথৌশিংগা মরুপ মপাং ওইনহুনা লৈবাক মবা তপ্পা য়েক্ক তিংখং লৈতনা পানখি।

মতম অসিদা কিয়ার মোন্দুম থাংজবগী মচানুপানা মপা মপুগী লৈকম মোন্দুম থাদোক্তুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা শাইদাংতুনা লৈবাক্কী অমদি নিংথৌগী মতেঙ পাংলম্মী। মোন্দুমদগী মোইরাংদ শাইদাংলাকপা মীশক ওইরবস্ত মচাক্কী মতিক মথৌনা লৈবা লৈবাক

নিংথৌবু নীংবা মওং মতৌদু উবদা মোইরাং নিংথৌনা পেনবিতুনা কেগেদা ঙাংখলাকপা কম হাপপিরনি। ঙাংখলাকপা অঙন্বদি মমোম শাংতে, মপাবি অমত্তা মপোকই, কোপোয় মমিংনা কদেং কৌই, য়ুম্নাক্না থাংজমনি, মেইরাং ঙাংলৌ লৈকায়দা লৈরম্মী। কদেংদি অঙাং ওইংদৈদগী হৌনা চেন চোংতুনা শাম্নবদা মশা খিংবা, মুক্না কাংজে লমজেন চেনজোংদা বেম্নোর লৈকায়দা মাপা লৈতনা হৌরকই। মাগা চহী লেংগা, হৌমিন কামিন্নবা মমান্নদা নত্তনা মথক খোংবা মীওই থাওবা মানা কিবা কনাসু লৈরমদে। অদুম ওইনমক মতাক পুকচেল তপ্নি, নীংখিবা রাংল পাক হোংদে। মতিক মথৌনা লৈ-তুনা মী কয়া উথিংত্রবসু মীন্নংশি খঙবা অহল লমন মশক খঙনা থৎশি খাসি নাইবা মীতানি। নোংমা খুম্বক খুনথাগী শামান লেংমান্নবা পাখং মথৈ খোম্নগা মোইরাংগী কাংজেবুংদা মুকনা কাংজে শান্নে। খুম্বক্না কেগে কদাং শেলুংবনা লুচিংই, খুনথাদনা কদেংনা লুচিংতুনা শান্নবদা লুমিং অদো পাঙ্গল থোইনবা ঙম্নখিদে। শামান লেংমান্নবা চহী লেংগা ওইরিবা মানবি পাবোং থণঙম্না কদাং শেলুংবগা কদেংগা লুমিং অতুদা শকথঙ মায়থঙনখি, পাথৌ মরূপ শান্নখি। কদাং শেলুংবগী খুজিন থৌরাংদগী মতাউ কদেংসু নিংথৌ খল্লে। কদেংনা নিংথৌ খনবতু লোম্না খনবন্নিনা মাবু পোকপা মপা ঙাংখলাকপনা খঙখিদে। কদেংদি মপা মপুগী শিনকম থাঙ-তা শাবদসু য়াম্না হৈথোই শিংথোই। মানা মতম চঙনা ফজববা থাঙশাং অমা শাই। থাঙখুম অমসুং থাঙখোল্লা শামু ময়ানা হাজং য়ৈববা থাঙশাং অদু মতাউ কদাং শেলুংবগা লোয়ননা চৎমিন্নরগা নিংথৌদা কংলম্মী। ফজম্নবা থাঙশাং অদু উবদা মপুগী থম্নায় তারুরবোই থাঙশাং অসি কনানা শাবমো হংখিরকল্লে। মতাউ কদেংনা শাবনি হায়না কদাং শেলুংবনা নিংথৌদা হঙ্গংলি। কদেংগী মপা মমাগী মমিং হংবদা কেগে ঙাংখলাকপা কম্নাইম্নগী মপারিনি খঙলবদা মোইরাং নিংথৌনা পেন-

বিরঠুনা চুমিং অতুদা কদেংম্ থাঙ শাবা য়াম্না হৈ হায়ঠুনা কেগে মোইরাং লৈবাক্কী থাঙজহনবা কম হাপ্পিরে। পাউ অসি তাবদা মপা ঙাংখলাকপস্সু মথবায় লুংঙাইজরে। কদেং থাংজহনবা, কদাং শেলুংবা অনি অসি শামান লেংমাংবদা নম্ভনা শাওং শাদা য়েংবদস্সু লৈপুং মাগুম তানাপপা থাংজীং রাগুম শোয়াবা ফিরাল রাগুম তাংজম্না তোম্না পুংবা রাংম শ.রল নোংশা শাবাননা তমজনিংঙাই ওইরবা পাখৌ মরূপচা অনিনি। কেগে লৈবাক্কী মণক মতো চঙথোম্নবী কেগে লৈমম্নোন তরেৎ অমদি অতম অথৌশিংগী মমোম চন্নু নিঙোল-শিংনা মখোয় অনিবু শকথঙদবা য়াওরক্রে, মমিং পন্দুনা রারী শাম্নবদা কেগে লৈকায় ম পল শীনবা থুংনা থংলবলে।

চহী কুমজা খুদিংগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা ইবেম্মা অযাং লৈমগী রালোং কবোক পোকই। কুম সে কুমজাদি রাকচিং থাগী থাজিন্দা অযাং লৈমা পান্থোইবী মতু থোংনাং লৈমা ইবেম্মা অনিগী নাক্তা ইবুধৌ থাংজীং নেংলক্লু থা অম চুপ্না লৈবা মতমসিদা রালোং কবোক পোক্লুনা কংলগা কেগে যুমথোং শুনা য়েন্নবা মোইরাং নিংথৌগী সনা য়াথংবু থৌপুবা লোয়শঙ মচাশিংনা কেগে খুন্থক খুনথা মোইরাং লৈকায় মাপল শীনবা থুংনা পাউ চেন্নি। লোইজা নিঙোল লাকপনা শীন্দুনা কেগে খোইবাংবম লৈকায়দা লৈরং মাপল শেমঠুনা রালোং কবোক পোকনবা খোরাং তৌবে। কেগে মোইরাং লৈবাক্কী লৈমম্নোলশিং, চেংলৌ শকাহেনবী চনু নিঙোলশিংগা কেগে ঙাঙোই পাথংশিংগা চৌম্নে ফিশেং শেং চ'ঠুনা রালোং কবোক পোকপা লাক্লবে।

কেগে-কমাইবা কংলা কাবদ দোলায় তোংলিবা লাইজিংলা কংগী মমোমলোই শমদোল লাইবায় কমগালৈ আমেল লাইজ খুদোললে চীংলাইমক্কী উথম্বালগুম্বী নিঙোল মদোম তোমশাংনবী তোম্নু লাই-জিংলেম্বীস্সু অনাই থোইমুগা লোয়মনা রালোং. কবোক পোকপা থুংলরে। লৈরং মাপল অতু চনু নিঙোল অমমমগা পাখং অমমমগা আম্বা শিনদোক্লরে। লৈরং খুদিংদা পাখং মথৈনা থাম্বী মৈ হোৌগৎঠুনা

শীং শেম্মী, মুজাশিংনা কবোক পোকই। মুরাশিংগী মথুংদগী খরা হেন্না হৈথোই শিংইবী অমনা অপোকপা কবোকশিং অহু খোমজিল্লি অতুগা পুন্না পৈশিল্লি। ইবেন্মা অয়াং লৈমগী রালোং কবোক পোকপা য়েংবা কদাং শেলুংবগা কদেং থাংজহনবা পাখৌ মরুপচা অনিসু থুংলরে। কেগে কন্নাইবা লাইজিংলকপগী মমোমলোই তোন্নু লাইজিংলেম্বীসু লৈরং অমদা মনাই থোইন্নুগা পাখং অমত্তা য়াওদবমখৈ রালোং কবোক পোকই। অঙম্বগী মমোমনি খনবানে মশক মত্তোনগা চংখোনবনে, মনাই থোইন্নুগা য়াওবনে, মুরাগী নাক্না চঙহুনা লাম্বা ওইনিংবা কেগে পাখং কয়াসু চংবা ঙমদহুনা লাপনা হন্দোক্লুনা লৈনরি। মনাই থোইন্নুনা মৈ হৌগৎতুনা শীং শেম্মি, তোন্নুমা রালোং কবোক পোকই। তোন্নু লাইজিংলেম্বীগী কজরবা মায়খোং থম্বালদু উবদা লৈহী কাদা মীহৌবা কদেং থাংজহনবা থোইমুন্নু মিংকম কোংদনা য়েংহুনা লৈরে। মতাও কদাং শেলুংবদা কবোক পোকপা য়াওবা য়াগত্রা নিঙোললাকপদা খরা হংবিয়ু হায়জরে। কদাং শেলুংবনসু ইকায়বদগী হংবিদ্রে। মখোয় অনিহু নঙ হংঙু, নঙ হংঙু হায়না ইন্নবহু অরাপ্পদা লৈরিব লোইজা নিঙোললাকপনা উরে। মপুগী লোইশঙ কান্নিবা কদাং শেলুংবা, মতাউ কদেং থাংজহনবা অনিগী মনাক্তা লোইজা নিঙোললাকপা চঙশিন্নরুনা ইবেন্মা অয়াং লৈমগী রালোং-কবোক পোকপা য়াওবিয়ু লৈরং অমা হাংলে হায়রে। নিঙোললাকপগী মমাঙদা ইকায়হুনা ইতাও নঙ য়াওরুগে হায়না মখোয় অনি ইন্নরে। কদেং থাংজহনববু থাজিন্নবা কদাংনা নিঙোললাকপদা লোন্না ইঙ্গিৎ তৌরে। নিঙোললাকপনা কদেংগী মথুংজেং পায়হুনা তোন্নুগী মনাক তান্না পুশিনবিরে। চিংঙু থাংজীং লাইগী খুজিল খৌরাংবু নমু তাইবংকনানা খঙবা ঙমগনি। মুরা পাখং অনিহু উনবমক্তদা মিংকা মিংকা মিংচানরে, মিংচি মিংচি লিরোনরে, মিংকম হোংবা ঙম্মদনা রাংলেন মিংকুপ খরা য়েংনহুনা লৈরে। মহু উবদা লৌশিং শিংবী থোইন্নুদে হন্দোকপ্রে। অচ.কপা

খাম্বী মৈথিবা লৌদা নোংম্বী তুম্ববী থাউদল মানবী ভখোংদা
খংবৌ হেয়াদা তমজবী খুম্নাগী খুংজংদা খাম্বী মৈশা লাংবদা মৈশা
কাওথিত্রে কবোক পোকপি কাউম্রে। পাখংগী কজবা চেংলৌ শকমহু
খুম্নাগী মিংচিনা হু হুহ্না য়েংলকপদি করি হায়নবু শীংথানগনি। কেপে
লোক্ক ক পাংখাই লাইজ ঈংয়েন ঈপাক্কা অখুক্কী য়েন্দা অঙনবদা
লৈচিলনা ঈমায় শিন্নকপদা য়াকৌ ঙংবা চেক্কা থঙোং মচানা শানবা
ঈরোইত্তব. ঈগু খোঙগাউনরিঙৈদা সনা নোংপোক চীংদোন্দগী
ঘোইমনাই ভাওদল অঙনবা মুমিৎ সনা খোমাংজান অতে নবনা সনাগী
থাঙতুপ মখোংদগী অঙানবা মঙাল খিং খিং কন্দোকরপদা লাইজ
ঈপাক্কা শান্নম্নিবা চেক্ক থঙোং মচানা মিংচিনা হুহুনা কোয়ৌহনবু
খেংজবহু খুম্নাগী মিংয়েংগা পাংথক ওইবে। মপাঙ্গল মখোনা লৈরবসু
ইকাযথীবা পাখং ওইবনা লৈবাংগী পাংথক ওইরিবী নৌজরিবী তোম্বনা
ফেংলকপা মিংয়ে, খুদিংদা কংদং খা জহনবনা মিংচান্নবা ঙমদহুনা
মায়থো, লুক্কা ইকায়ব খাংলকংলে। অসোমদদি মতাউ কদাং
শেলু বনা ওপা মান্দে তমব থৌনা টংংত মপুক্লিংদা শাউরি। হায়-
নি বা খংনিংবা য়াম্নানদি ফিখোমশা হায়দে কপ ফোংদোকপদি ঙমদনা
পুরা ওইবী মানা পাখংদা মিংচিনা তোয়না তোয়না য়েংলিবসি
অতৈ কান্নগীসু ওইবমান্রে। ঙবাং অগীং তাংলৌ অখেংবদা খুরাগী
খোমলেন মঙন্না মঙলানচান্দা উখিবা পাখংগী খুংশি শক্কম অহুনা
খঙহৌদনা মনাক্কা লাকহুনা লৈন্নববদা তোন্নু মাদি কবোক পোকপা
খোয়জংত্রে। অসুম্না নুরা পাখং অনিহু রাদি ঙাঙনবা য়াদ্রবসু মমিং
মখেনদি মপুক্লিংগী অনীংব অপাম্বা পুন্নক ফোংদোক্কুরকলে। খুম্নানা
নীংজবা পায়মা খুংগী খুংশ য়ারা কযাবু মিংচিনা ফোংদোকচে।
পাখংনা হায়নীংবা কয়াম্সু খুংশি মিনা ক্কা পাউখুমজৈ।

কোম্নৌনা নারল চন্নক্রবদা রালোং কবোক পোকপা লোইন্নহনা
চন্নু নিঙ্গোল কেপে ঙাতোই পাখং পূম্নমক মরান মখামম্নাইদা হুন্নখ্রে।
তোন্নু লাইজিংলেম্বীনা মনাই থোইম্নদা ঙবাং খুরাগী খোমলেন মঙলান-

চান্দা উথিবা নুংশি শক্তম অচু পাখং তসিনি তাকলে। খে ইপুমা মবেম্মদা কেগে য়ুয়াকচা কখিনো, অঙম্বা কনাগী মপাবিনো কোংলায় মিংলেম্না কয়ি কৌবগে হংবদা তোম্নুনা খঙদে, হংস্নু হংদে থুয়কই। মপু মনাই অনিদো কোয়ৌ নাবল রাইবুক্লবা ফাওবা ময়ুম মোংবা মরানয়াইদা হনগনি কাউথ্রে, পাখং মাবু লাপতক্লনা য়েংহুনা লৈরে। কদাং শেলুংবনা পাথৌ হল্লসি হন্না হন্না চিঙ্গোগনবদা কদেংনা ঙাইখো ইতাউ থামলে। নুবা পাখং অনিদো অরাপ্পদা যেংনবতা নত্তনা চঙশিন্নহুনা পুক্লিংগী রা ফোংদে কনবস্নু ঙম্মক্রে, মরানয়াইদা হনবস্নু হনঙমক্রে, কক-ঙাওনহুনা লৈনরে। লোইজা নিঙোললাকপা উবদা থোইন্নুনা ইবুং লোইজা নিঙোললাকপা কোয়ৌ নারঙ রায়শিল্লকপা অসিদা নিঙোল ঐখোয় অনিবু মোংবা ইরানয়াইদা ইদোম হনবস্নু হনঙমক্রে, পঙ্খৌনা তয়ুম মনাই থাবুকত্রা ঙাইবস্নু য়ৌরক্রে। ইবুংনা থরা থৌশিনবিহুনা আদা লেপলিগা কেগে ঙাংগোই পাখং শকাহেনবা অনিসিবু নিঙোলগী থরাই থোঙ্গাল য়ৌবা ফাওবদদি থিনহনবিয়ু হায়রবু য়ারোইত্রনে ইবুং হায়রকপা থোইন্নুগী য়ারাতু তাবদা নিঙোল-শিংগী অনিংবা মপুক্লিংগী রাকম কয়াবু মিংয়েং নায়েংদা শিং শিংগা খঙবা ঙম্মবা লৌশিং শিংবা নিঙোললাকপনি। কবিগী সান্দগে, মখোয়গী য়ামজেম মরাইবকতুম ফবনি হায়নম্লগা নিঙোললাকপনা কদাং শেলুংনা, কদেং থাংজহনবগী মনাক্তা লাক্লুনা পাউ পীরে। পাউতু তাবদা পাথৌ মরুপচা অনিদো হরাউ হরাউ য়াবহুনা তোঙ লাইজিংলেম্বীগা মনাই থোইন্নুগা অনিবু মাঙদা থাহনহুন লাইজিং-লাকপা অঙম্বগী মরানয়াই তান্না থিরক্লে। মাঙ থাবিবা তোঙনা তুংদা চংলিবা কদেংবু যেংদি য়েংনিং, হন্না য়েংবদি ইকায়হুনা মতুংদা চংলিবা মনাই থোইন্নুদা ওনশিন্দুনা খোংকাপ কমজাউ হল্লু, কোয়ৌ শিংথোং রায়থ্রে হায়না মথুং পায়হুনা চিংশিনমম্লগা লোম্না কদেংবু য়েংজে। মবেম্মগী মঙং মতৌহু উবদা পান্নমা লৌশিং চাউবী মনাই থোইন্নুদা নোক্কি নোকনি' নোকপদি য়াদ মতোমদা মখুনোম্বী

চিক্কনা ঋানা খাংজৈ। মুরা পাখং অনিহু হায়নিবা য়ারাদি য়াম হৌদোক্লবদি ওম্মদা য়াংদৌ লম্বানদি তেনশিল্লক পায়মা খোয়রাং লিলাংনরে। কদেংনা মতাও কদাং য়েংহুনা "প খৌ ইবুঙো, মুংশি- খনা খোঙহাউ হাল, শকথঙবনা তুংওইনা হায়নিং য়ারানা ফিরোমশা হায়দোকপদি ওমদনা খৌনাউ ঙারু পন্দবগুম ঋানা থাঙলেদা পাখৌ" হায়রক্লবদা কদাং পাউথুম পীবা ঙমদনা মোমোন মোক্কনা নৈরে। পাখৌ মরুপচা অনিনা ঙাঙনরিবা ঋাকমহু মপু মনাইনা তারহুনা তোম্বুনা মনাই থোইন্দুদা পাউথুম পীযু লোম্না ইঙ্গিৎ তৌরকই। মবেম্বগী মপু ক্লুং খঙলবী সৌশিংশিংবী থোইনুনা মবেমদা অমুক য়েং কদেং থাংজহনবদা অমুক য়েংলগা ঋাহৈ মতেক মতেকনা মুম্না মপাউ মেল্লকই। "মোইরাং উরা ইতৈঙাই, কেগে ঙাংথম তাদও! পাখং মায়থোং লুরুক্ল মিংচিন্নী তেলবু তেনকাপ্পা তেঙ্গা থোংবা হৈবনা লৈরাংগী লৈখোক্লা পান্দুনা ফুগায়না শাংচবী লৈরাংনা মালেম থক্তা কেনসি কেনঙমদা শিঙেলনা ঋানা হাইনা হুম্না খাঙজরিয়ে" হায়- দোকন্নুরপা থোইন্নুদো মতামদা ইকায়খংক্লনা মবেম্বগী মথুং পায়হুনা চিংজৈ। থোইন্দুগী য়ারাহু তাবগা তোনুদি থম্মোয় পেন্না মুংঙাইজৈ, কদেং থাংজহনবনা পাউথুম পীগে খল্লবসু ইকায়থিবনা পীবা ঙমজ্রে। মতাও কদাং শেলুবদা পাউথুম পীনবা লোনা ইঙ্গিং তৌকই। কদাংনা মতাও কদেংগী থুংগে পাবহুনা মুম্বগী নাক্লা চঙশিল্লগা কোরৌ মৈশা লাংহুনা রাগল মেচাক খাংবদা ঈখৌ লাংলবা চেক্লানি। চাংজৌ পানা চেল্লিবা নুংশি লাইজ ঈচেন্দবু চেক্লা মাগী মশরুক ওইহুনা খবাম থম্না থক চনলিংববু চিংঙু থাংজীন করি তম্বিরমগব" হায়রকপা মতাউ কদাং শেলুংবগী য়ারাহু তাবদা কদেং মানা নীঙম্বা ঋাখলগা হায়দোম্বকপা ঋাকমগা চান্নরবদা মথরায় নুংঙাইমনখিহুনা পাখৌ হায়না কৌরগা মতাউবু চেংনা কোল্লি। পাখৌ মরুপচা অনিগী মওং মতৌহু উবদা মপু মনাই অনিসু লোম্না মমিং থংমহুনা হরাঙনা নোকচৈ। তোম্বুনা ইকায় মুংশি য়াম্না মতা শক্লবী থোইনুগী মথুং পায়হুনা

ইকায়বা খাঙনা খাঙবা কদেংদা মিংচিনা হায়কেং হাইকেং য়েংলগা "ইতা চান্নবী ! ঈপান থাগী তুবেলমা চাংজৌ মপাম তাংনা চেনবগুম মুজাগী পায়মা নুংদা ঈহৌবিবা নুংশি লাইজ ঈচেলমু পামু চাংজৌ মপান তাংহনা অপাম নুংশি ঈপাক্কা ত্তিনজবা চিংঙু থাংজীনা কুবিসনু" হায়বকলে। তোম্বুগী য়ারান্থু তাবদা কদেং মথৌমা হাপকং-লকলে, মতাউ কদাং শেলুংবদা হায়কেং য়েংলগা "হেপাল মানা হৈবেপ ফাহুনা তাউজিং হৈরাং চরোং চুন্না পানজবা, লৈপাল মাস্থ লৈরেপ কাহুনা শিঙেন লৈরাং ফুগায়মা শাংচবা খোইমু মাস্থ মমীং থুংবা লৈহী চুপচবা চিংঙু থাংজীন কুবিবা ওইসনু" খুমদোরকলে। কদেংগী য়ারান্থু তাবগা তোনু মথরায় নুংঙাইতরবোই খোয়নৌ শকপী খোইনু হায়না কেনা কৈরগা কদেংদা লোন্না নুংশিনা যেংজে। মানা ইকায়বা খাঙবদা মমাই খোইনুপী মখুং খুংশা অহু কম্না পায়-শিনবদা নামনখিবনা খোইনুনা শুগংতুনা খাঙজবহু উবদা কদং কদাং মরুপ অনিদেং মমিং হংবহুনা লোংনা নোকচৈ। কদাং শেলুংবনা "ইবেন্মা হৌজিক্তি লৈবাং লৈশক থঙজাব, শিঙেল লৈনম তাক্তরে। অহুবু লৈবাংগী শাংকমদি হঙজদে, শিঙেলগী কোলায়সু তাজত্রি" হাযবক্লবদা তোনুনা মমাই খোইনুদা তাবউ হায়বগী মওংদা লোন্না ইঙ্গিৎ তৌই। "লৈরাংগী শাংকম থিবা, হৈরাংগী হৌকম যেংবদি খোইমুশিংগী মথৌনি। অহুবু পাখং পাযমা নুংদা অরা থুংরী চেন-বিগনু শিঙেল শাংকম তাকচরমগে পায়মা খোইজংনা তাখিরো। "লাইজিংলাকপা অঙগগী লৈকোননুংদা তোমশাংনবী লৈরাংনি। নিঙোল কোলোয নীংথিবী মুরা কোন্দেন ভন্না হুনবী তোমু লাইজিং লেম্বী কৌই" হায়বা মতা খোইনুগী য়ারান্থু তাবদা তোম্বু খোইদোক্না পেনজে। "নিঙোলগী কোলোয় খঙলবনিনা পাখংগীমু খঙবিখো। মপু মোইরাং নিংথৌগী থৌগল ফংজরিবা পাখং কেলোয় মিংলেন্না কদেং থাংজইনবা কৌইদো, কেপে ভাংখলাকপা অঙগগী অমত্তা ভাইবা মপারিদি" হায়না কদাংনসু অপনবা লৈতনা হায়দোন্নরে।

কোলোয় মিংলেন খংঙ্গর্‌বদা মুংঙাইনরে, অমনা অমবু য়েংলহুনা হরাওনরে। মতম অসিদা তুম্নাবু পোকপী পলেম লাইজিংলাকপীনা কোয়ৌ নাবল চল্লকপা মালেম্না মমশিল্লক্লবদা মমোম লাংলেন হল্লক্ত-বগী মুংশাথিড়না খরাই থোঙ্গাল রাংমা লাম্না মমোম ওকপা থোরকপত্তু অরাপ্পদা থোইমুনা উরহুনা "কেগে ঙাংখম তাদও! পলেম ইমা সাকলে মুমা ঐথোয়গী খরাই থোঙ্গালসু নক্ষশিল্লক্লে, থোইমু শমায় লৈবিবো, রাংলেন মতম চাবদা মুমা পাখং অমুক উন্নসি কাউনগনুসি" হায়রম্লগা মপু মনাই অনিদো খোংকাপ লাউনা থাঙহুনা চংখ্রে। পাখো মরুপচা অনিস্তু য়ারা মখা তাবা ঙমদনা চপ লেপ্তুনা লৈহৌই।

বারেপ্পবা

চহী খুদিংগী কাযদনা পাংথোকপত্তু কুমসি কুমজাসু রাকচিং থাদা রালোং কবোক পোক্তুনা অয়াং লৈমা পাম্থোইবী মহু থোংনাং লৈমা ইংবম্মা অনিগী শঙলেন্দা চিংঙু থাংজীং লেঙশিন্দুনা কেগে লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীনা খোযুম থৌবম পাংথোক্লগা লৈবাক নিংথৌগী য়াংফনবা কেগে খুম্বক থুনখা মোইরাং যুমথোং খুদিং চিংথ-দনা রালোং কবোক য়েল্লে। কোয়ৌ অকবা থাবান অচঙবা য়েংহুনা চিংঙু থাংজীং হন্নাওরে হয়াও মখোই কারে। কেগে লৈকায় মাপলগী পাখং চন্নু নিঙোল মৌ কযাসু লাম্বা লাম্বা থোক্তুনা জগোয় শামিন্নবে, মানা মানা নিংজবা পুক্লিংবু মাপা থুংননবা চিংঙু খুয়াদা নিজরে। মুবা তোন্নু লাইজিংলেম্বী পাখং কদেং থাংজহনবা শাবি শানৌ অনিস্তু থাংজীং লাইমাঙদা জগোয় খুংথেক কংতুনা অপাম মুংশি রায়থুংমজগে শম্বি রাশক পরৈনহুনা চিংঙু খুয়াদা নিজরে। কেগে ঙাহোং চাকহোংমবা মোইরাং লৈচাউ খুনজাউনবা লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবীনা খাবি শীংদা চল অমাই লায়ুম য়াত্তানা হৈরাং লৈরাং কংতুনা শিঙেল লৈহল তমলে। লৈবাক নিংথৌ ম। তপ্পা

অরাং অপা লৈতনা পাল্লে। ওয়াকপা চহী কুমজাদি কেগে কুমথি কুমগাংলে, নবুক ইথোল পুম্বা মহৈ মরোং, লোক্লম্রে। পুখ্রি খোংবা'র পাৎ পুম্নমক মালেম লৈক্রক চৎতুনা লেমলৈ ভাশক উরক্লে। লোক্তাক থোইমিং মাপলদা লৈবা লেমলৈ ভায়াম লুপখ্রে। অসুম্না থংনা থংননা চহী কুমজ, অহুম কাঞ্জিল্লক্লবদা কেগে মোইরাং লৈবাকসি অবা তুরৈ চল্লে, অমং ইরৈ লাংলে, মিংথৌ পুক্রিং খোয়দা লৈতাম্না পানবা ওমল্লে। লৈবাকী অরাবসি কে ক্লবা কেগে লৈকায় মাপলগী চনু নিঙোল পাখং পুম্নমরা হৈবম চামা লৈরম চাম থিবগা চিংও খুয়াদা কৎতুনা অরা অনা লৈহনবিগনু নিজরকলে। চকপা লমলাং মাইবী খোমলেন মঙজং তানবীনা শবিক চোমজাউ খাগোম্না চিংও লাইমাও ক্ষমহুনা খোযুম মপাউ নিরক্লে। কেগে কংলা তোংখাইদা অঙম অথৌ কন্নাইবা গুনা তিন্দুনা মপু মোইরাং নিংথৌনা চিংও লাইপাউ তাগদবগী ভাইহুনা লৈরম্রে। লৈবাকী অমাইবা হঞ্জবন চিংও শিম্বানু লুরেন কোক্তা খোংহুনা পুরক্লগা মপু মোইরাং নিংথৌদা শিন্নগদবগী কংলা তান্না চঙলকলে। নিংথৌনা চরৈ ভক্লা য়েং, খুকউ লৈদা তাহুনা চরৈ কিগাউ শানা চিংও থাংজীং লাইপাউবু তয়াম্না ওকচরে। অমাইবা হঞ্জবনা মপু মোইম্নাং নিংথৌ য়েংলগা "কেগে ভাঙোই মপু রেল! নবুথৌ থাংজীং কোয়বেললাই মেইরাং লাংবুম অনিবা পালোই তাবা লাইনিংথৌ শিদবা মপুগী চিংও লাইপাউ শোসদি শারম চামা ভাবম চামা হৈরম চামা লৈরম চাম চামা চামনা খুঁজং ওইনা কৎতুনা কংলা উরবা শঙলাংমৈদা শাহোং ভাহোংলবদি কেগে ভাহোং চাকহোংহনগে, মোইবাং পুনজাউ লৈচাউহনগে লৈবাক নিংথৌ মর তপ্না পানহনগে। ওসিদগী লোইদাম থাবুম লাল্দমা চিংও শিম্না পাংথোকউ" হায়বা চিংও লাইপাউবু লৈবাক নিংথৌদা শিন্নরে। চিংও থৌদা অকনবা খোম্নম লাইপাউ তাবদা নিংথৌ তাংজা মায়-ক্লক্লরে, লৈবাকী অঙম অথৌ কন্নাইবা পুম্নমকসু য়ায়া অমতা কাংথোক-নদনা তুমিন তুমিন লৈরম্রে। কেগে অজম্বা কনাসু য়াওয়ৈ শারম

চাম্বা ফাগে লেমলৈ ঙাম্নম চামা থিগে চোংথ রক্রে। লমলেন লোক্তাক পাং কেগে থমংখোং নিংথৌ ঙাম্বোক পাংতা লেমলৈ ঙাম্নম চামা থিবস্তু অয়াইবা শিম্বা নত্তে। মোইরাং লৈবাকী উন্নুংলেন, লমলেন তোরবুং লমজাউদা লোইদাম থাবুম লান্দনা য়াওরৌ শারম ফাগে চোংথোরকদবা কেগে অঙম্বা মশীং য়ামদে। চিংঙু শিম্বা তাবদা নিংথৌনা অম্বা মায়থোং লাংশিনবা রাখল পোংলুম পুবহু উবদা কদেং থাংজহনবা লাইবক চাং য়েংলগে, ঙমলে লৈবাক নিংথৌগী য়াইকনবনি অরাবা শকক য়াগে, ঙমল্ত্রে কেগে লৈবাকীদমক্তনি য়াহবী থরায় পাম্মুথ্রম্মোই থল্লক্লে। মপু সনা মাওবা চঙশিন্দুনা খুররগা "ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ কেগে ঙাঙোই মপুরেন! চিংঙু থাংজীং কোয়রেল লাই, খোবুম লাইয়িংথৌ শিদবা চিংঙু মাগী শিম্বা তুংইম্না লৈবাক নিংথৌগী য়াইফনবা কেগে ঙাহোং চাকহোংনবা মোইরাং লৈচাউ খুনজাউনবা নদাইরেম কদেংনা মোইরাং ঐথোয়গী উন্নুংলেন, লমলেন তোরবুং লমজাউদগী য়াওরৌ শারম চামা ফাম্নগা চিংঙু খুয়াদা য়াওরৌ শাচারোক কংচগে উনবি পুক্লিং লেপচরে, মপু সনা নোংদমবিয়ু" হঙংলক্লে। কদেং থাংজহনবগী য়ায়া তাবদা লৈবাকী ফম্নাইবা অঙম অথৌ পুম্নমক ঙক্লয়ে, নিংথৌ মথামকম্ব কদেংবু মুংশিবা মিথয়েংনা য়েংবি, ময়াথংদি পীবা ঙমখিদে। মপু সনা উলগোইন্নুংদা চিংনবা মায়থোং উবদা "করিগুম্বা য়াওরৌ শারম চামা ঙনা চিংঙু খুয়াদা কৎপা ঙমত্রবদি লৈবাক নিংথৌগীদমক্তনি, অরাংপা য়াওরৌ শাহুং শিন্দুনা কদেং ঐবুস্তু শরেস চনবিয়ু শম্নিসো চিংঙু থাংজীংমা পলেপ্পবিসন্নু" হায়না মপু সনা মাঙদা কদেং শরি পম্লোল লোম্নকসে। মথাইরেম কদেং থাংজহনবগী অচেংপা বাশক তাবদা অম্নেম্না পুকচেল উবদা মপু মেইরাং নিংথৌদো পেনবিয়ে। মপুগী নমদা খোল্লিবা শেঙ্খি-কত্রং মুগানা শাবা ময়েক লাম্নবা নিংথৌ-খিন্থু মজাইদা কংজম্নো হায়না লৈবাক মীমাঙদা কুপপিয়ে মীয়ামস্তু পেমম্নে। নিংথৌনা খুদক্তা কদেং থাংজহনববু শারুংহনবা (লনথোং

হৌজবা) হাপ্তুনা অকাবদা দোলাই তোংজরো, অকুম্বদা লাঙ্গোই খোংনেংচরো অঙম্বা ফিজোল স্নুনা শেংচরো তাকপিরে। মপু সনা য়াথংবু কদেং থাংজহনবনা নুরেন কোক্তা খোংহুনা লৈবাক মাঙদা লৌজরে, অঙম অথৌ পুন্নমকম্বু হরাওনরে।

মতাও কদেং থাংজহনবনা য়াওরো শারম চামা ফাগে লৈবাক মীয়াম মমাঙদা চোংথোকখ্রবদা কদাং শেলুংবা তুমিন্না ফমহুমা লৈথোকপা ঙম্লক্রে। মপু মোইরাং নিংথৌগী সনা মাঙদা থোরকুনা খুরুম্নগা. "ইনিংথৌনা পাথৌ কদেং থাংজহনববু শাকুংহনবা হাপতুনা য়াওরো শারম চামা কানবা থৌদা পীবিগ্রে। হন্দক চিংঙু থাংজীংগী খুয়া খাদা কংননবা লমলেন লোক্তাক ঈশা মাপন পাংনৈরগা লেমলৈ ঙারম চামা কাবা নদাইরেমগী ইশরুক ওইজরগে লিক্লাই য়াথং পীনবিয়ু" হঙ্গংচৈ। মনাই কদাং শেলুংবগী য়াব্রাহু তাবদা নিংথৌ পায়মা খৈনা পেল্লে। "নুংঙাইদা ইদাইরেম শেলুংবা! নখোয় অসিগুম্বা কম্লাইবনা নিংথৌ ঐগী নাক্তা লৈরিঙৈদা হাওকপ চীংশাং কনানা খেন্দ্রে চাইরেন কনানস্নু কেগে মোইরাং লৈবাকপু লাকচ খুহুম চনবা ঙমলোই। অঙম্বা নখোয় খ্বাইগী নুপান্না নিংথৌ ঐনা পানবা ঙম্বনি। ঙসিদগী ইদাইরেম নঙবু ঙাকুংহনবা ফম হাপলবনি। অক বদা দোলাই তোংজরো, অকুম্বদা লাঙ্গোই খোংনেংনজরো, অঙম্বা ফিজোল স্নুনা শেংচরো। কেগে থমংথোং, নিংথৌ ঙায়োক পাংতগী লেমলৈ ঙারম চামা কারগা চিংঙু খুয়া খাদা কংপা ঙমজবা ইবুথৌ থাংজীংনা কুবিসনু"। অসি হায়হুনা মপুগী লৈতেং লিকথাং পয়েং লৌথোক্লগা মনাইদা পিবিরে। মপু সনা য়াথংবু কদাং শেলুংবনা চরৈ ফিগাউ শানা য়াজরে, অঙম অথৌ পুন্নমকম্বু হরাওনরে কদেংগা কদাংগা অনিস্নু নুংশিননা কোয়রে। নিংথৌনা লোইজা নিতোললাকপদা কেগে চন্নুরা ময়ামগা শিঙেল লৈরম চামা থিয়ু থৌদারে। মোইরাং পীথংলাকপদনা চিংঙু খুয়াদা কংনবা ভাউজিং হৈরম চামা হেকউ মপু য়াথং পীবিরে। অসুম্না কেগে কংলাদা অঙম অথৌ ময়ামগী মমাঙদা

চিংঙু শিন্থা খিননবা লোইরবদা লৈবাক মীয়াম মুংঙাইনদুনা নিম্ন-রক্লে, নিংথৌম্সু মথরায় মুংঙাইনা মপু শওলেনয়াইদা সনা খোওদোই হুনখ্রে, অওম্বশিংসু ময়ান ময়ানয়াইদা হন্নখ্রে।

কদেং থাংজহনবা কদাং শেলুংবা পাথৌ মরূপচা অনিছু ব্বারী শাদুনা কংলা কুমিন্নরকই। "হুয়েং লোয়া তমলোন অওনবদা তরা চাকওন চান্নগা পাথৌদি চিংঙু শারম খিবা লমসেন তৌরবুং পাংলগনি। ঙসি কোয়ৌ নোংদি নশানৌ নাক্তা চৎতুনা মুংশি য়ারা পুকমেন পাওমেন্নবিরুচো" হায়না মতাও কদেংদা চেৎনা শিন্নয়ে। হয়েংদগী ইতাওসু লমলেন লোক্তাক ঈশা মাপল পাংনৈরগা চিংঙু খুয়াদা কংনবা লেমলৈ ঙারম চামা ফাবা চৎলনি। করিগুম্বা পাথৌনা ঙারম চামা ফাবা হান্নবসু, লমসেন তোরবুং লমজাউ পাংবিরকউ, চিংঙু শারম ফাবা তেংবাংবিরো। ঐনা হান্নে ইতাওগী ঙারম খিবদা নতেং পাংজরগে। অসুম্না থম্মোয় শেংনা মুংশিনবা পুকচেল তিংনা চান্নজবা প'থৌ মরূপচা অনিছু পুকমেন পাওমেন্নরগা চেৎনা লেঙ্গোননদুনা ময়ুম ময়ুম পাংনখি। কদেং থাংজহনবদি ময়ুমদা চওদুনা চরৈ ফিজোল হোংদোক্লগা কোয়ৌ শিংখোং ব্বায়রকপদা মশানৌ মনেম্মচা তোম্ন লাইজিংলেম্বী উনবা লাকই। লাইজিংলাকপা অওম্বনা কংলাদগী কুম্ন-ক্লগা লাইজিংলাকপী কৌথোক্তুনা কংলাদা থোকখিবা থৌদোক পুম্ববু মথং শিৎনা তমই। পলেম পম্থৌ অনিনা ঙাওনবা য়ান্নাদু থোইম্নুনা লোম্না তান্নগা মবেম্মা তোনুদা পাউ তম্বা লাকই। তোম্ন লাইজিং-লেম্বীদি মুরা নাম্বা ইয়োংশওদা ইয়োং শওদিংছন, পশোং থংমাই লাক্তুনা কত্রং লাংলা অশৌবনা লোক্তাক পাংতা ঈয়োইবা ঙান্ন থঙ্গোং অনিনা ঈমু খোওগাউনদুনা শান্নবদু চরৈ ফিবুমদা হৎতুনা শান্নি। মানা শাবা চরৈদু য়েংবদা অসুকী মতিক কজখ্রে। চরৈ ফিদা হৎলিবা ঙান্ন থঙ্গোং মচাদু লাইজ ঈয়োলমুংদা থাদবদা ঈয়োইদুনা চৎখি-পদবোই নীংই। অসুম্না কজরবা চরৈ ফিবুম পুক্লিং চওনা শান্নিঙৈদা মনাই খোইম্নু চওলক্তুনা পলেম পম্থৌ অনিনা কেগে কংলা থৌগুম-

কপদা শান্নবা রারী অহু মবেম্মদা শিং শিংনা তম্ম্রে। মতা শক্লবী থোইনুগী য়ারাহু তাবদা তোমু মথরায় রায়ে, ফি শারা লেপ্তুনা নিঙোল থাঙ্গাকা মোমনু রাখল খনকমকা থৌবোম য়াইবী পাবনথক মোন্দুম মোস্তেক নমঙানরগা মুরা রাখল তৌরকলে। কোরৌ শিংখোং রায়খিহুনা মালেম মমশিল্লক্লবদা কদেং থাংজহনবনা মুরাগী খয়াই থোঙ্গাল রাংমদা চঙসি চঙঙমদ, হনসি হনঙমদ হঙ্গং হন্দা চংতুনা লৈবহু থোইনুনা উরহুনা মীরক নায়ক য়েংলগা নাকোয়ননা নিঙোলগী থাঙ্গ কাদা পুশিল্লে। লৌশিংচাউরী থোইনু মাদি পলেম পম্হৌগী নাক্তা লৈহুনা তয়া চাক থোং থাকতুনা লৈখ্রে। পলেম মম না হংলকপদা মচেম তোমুদি থাঙ্গা নিঙোল কাদা চরৈ ফি লোন্দুনা লৈহৌই পাউখুমজে।

কদেং থাংজহনবনা মুয়া নাক্তা চঙলকপদা মশানৌনা অরা মায়থোং পুহুনা নিঙোল মোলাং নমঙান্দুনা সৈবহু উবদা, "পাম্মু কনাগী রাখলদা তাউহুনা মুংশি কনাগী ঈরৈনা চেন্দুনা চাংজৌ মাপা থুংঙমদ অরা ঈথক লাংলিবনো" হংলকলে। "পাঙ্গল শোনবী মুজানা পাম্মু নঙগী মুংশি ঈপাক্তা তাউহুনা পাম্মু চাংজৌ মাপা থুংঙমদনা লাংওন ঈয়াক্ল-গত্রা পায়মা মুংদা খল্লুবদা উনবী পুক্লিং খোয়রাংবনি পাউখুমজে তোমুনা। কদেংনা চঙশিল্লক্লুনা তোমুগী খদাংবু মখুৎনা শৌগংলগা মুংশিরবা চেংলৌ শক্কমবু চিংনা য়েংলগা "শানৌ ইবেমা মুংশিবী! মুরা পুক্লিং লমফাংনা নিঙোল পায়মা মুংদা পাখং ঐবু থাজবিদবরা? কৈয়োয় লৈকায় পাউনিনখোলনা উম্নবী পুক্লিং ওনবিগনু, কেগে ফৌগুখোল তারগা মুরাগী শমু খুবাক কুরোল হুবিগনু" হায়রক্লে। "শাবি থংলেন লোয়ুম্বা! শাইরেন থাগী থামিন্দা কুমাবগী মরানয়াই মুংশি শরি পন্দোল লোয়হুনা চিংগু লাইখোং খুদিংদা হৈরাং লৈরাং কংমিরা. লৈপুল খয়োম শেম্বিয়ু চিংগু খুয়াদা নিজখিবা থংলেন নঙবু কাউবিরত্রা? নমাও লাইবকচাউবীনা মুংশি ঈপাক তমজবা চাংজৌ মাপা থুংদনা লাংওন ঈয়াক্লহনবিগনু" হায়না মশাবি কদেংগী মথাদা মায়খোং থয়াল ভাহুনা তোমুনা ওইনজে। মশানৌগী য়ারা তারগা কদেংনা মুরাগী শমু খুজেং পালোয়নহুনা "শানৌ! করি য়ারানোদা,

চিংঙু থাংজীং লাইমাওদা মুশি খয়োম শেম্বিষু অপাম মুংশি রায়-থুংনজগে রাশক তেমশিংনমুনা জগোয় থুংথেক কংখিবা শানৌ কয়িগী কাউবগে ? শানৌ নমুংলাংগীদমক্তা পাখং ওইবা ঐহাক্তি লেঙদবা পামেলগুম মুগা নাক্তগী লেঙজবোই। শানৌ নহাক্তা তলা পামেম্ব কাদা কায়দোংবী উরি মাগী পান্দমসৌ, উতোন লোম্না য়েংপিয়ু"। অসুম্না শাবি শানৌ অনিনা পায়মা মুংগী য়ারাবু চিনবান মকা লাম্না কোংদোক্লরে। ঙাহাক রারী শারগা কদেংনা লৈবাক নিংথৌগী ময়াথংবু মুরাগী মকমদা কোংদোক্লে থল্লক্লে। ঙসি কোয়ৌ নোংদা নিঙোল নকাদা পাখংনা য়ারা অমতং চিঙ্গোয়নজনিংববু লৈতোন কিশি কিখ্রে হায়রকপা মশাবিগী য়ারা তাবদা মুরা পুক্লিং লাংতক-নরকলে। নিঙোলগী পায়বা খাম্বী মৈরাইগদবা করম্না য়ারা চিঙ্গোয়-নবিগদৌরিবনো ? নিঙোলগী পায়মা মুংসে তয়াং তংশাইরে, উনবি পুক্লিং লাংতক্লরে, করম্না য়ারানো চিঙ্গোয়নবিরো, তক্লরক্লে মীপাই চাউবী ইবেম্মা। চিংঙু লাইপাউ কোক্তথোং, মপু য়াথং নমদাপো, লৈবাক শিম্বা তুংইম্না কোয়ৌ শিংবুম খরদং লমলেন তোরবুং লম-জাউদগী চিংঙু শারম চামা ফারগা চিংঙু খুয়াদা কংতুনা কেগে ঙাহোং চাকহোংনা থুনজাউ লৈচাউহনগে পায়মা মুংদা লেপ্রখ্রে। হয়েং কোয়ৌ নোংগাক্লোই, তরা চাকওল চাম্নগা কেগৌ খুম্বকমচা পুম্নুনা পাখং খোঙদোই হুনথ্রগে, চিংঙু লাইনিং চেংলম্বু শানৌ রারমগন্নকো হায়রকপা মশাবিগী য়ারা তাবদা থম্মোয় তনিক তনিক্লে, অরাবা মৈচাক খাংবদা মুরাগী মিংলু নাপোম অনিদা থিংঙমম্রবা পিরাংনা থুমহংলে। মশাবি চেংলৌ মুংশিবা চিংনা চিংনা য়েংলগা, "শাবি মাস্ত্র পাম্মুবা নিংথৌ য়াথংবা কনখিবন লৈবাক রাবা লুখিবনা নিঙোলনা থিংজবা ইত্তিক ওইম্রে। পাম্মু নওনা চিংঙু শারম চামা রাইরা শাখিবদা খোংলৌ পল্লৌদনবা ননাওনা চিংঙু থাংজীং লাইবু চেংনা থাগোম্ন-জরমগে। চিংঙু শারম শুরগা ননাওগী য়াওথৌ শঙাই অমতদি তখি-রকউ। য়াওরৌ মাবু মঙক কোঙ্গোই রাংঙুনা নিঙোল মাম্বা ইয়োংশঙ

পাম্মু নঙনা তম্বিরকপা মুংশি মেলোন খুদোলবু মাঙ্গ চেংলৌ য়েংবগুম শঙাই মাবু য়েংজগে। পাখংনা কাবিরকপা য়াওয়ৌ শঙাইগী শক্তম লৌরগা কত্রং লংলা মচুনা চৈরে কিদা হংতুনা শাজগে। ননাওনা শাবা চৈরে কিদু পাম্মুবা নহাক্না কংলা থোগাবদা থৌখাংকি ওইবিয়ু"। মশানৌ মনেম্মচাগী মুংশিবা য়ারা মপাউখোল তারগা কদেং থাংজ-হনবনা মুংশি চেংলৌ চিংনা য়েংলগা "শানৌ ইবেম্মা মুংশিবী! মুরা পায়মা উনগোইনুং অরা খুয়ৌ চেমগনু। চিংঙু থাংজীংনা কুবিহুনা য়াওরৌ শারম চামা কারগা শানৌগী মেলোন খুদোল য়াওবৌ শঙাই কারকে রাইরা তম্না হল্লকে। পাখং হৈনা ইতুংদা তুরেল তোরৈ হোংনা তারমগনু, পানা লমলান চারমগনু, উতি শমখোং শেং চেংহী শম্বাল লাংলমগনু। চিংঙু থাংজীং লাইবু চেংনা থ'গোম্নরম্মু" পাওমেম্নরক্লে। "শাবি থংলেন মুংশিবা, মীচাপোক্তি লোয়ুম্বা! পাম্মু নহাকম্মু তোম্নবুং য়াওয়ৌ শাদানবদা ককয়ি চীংজুম থকপিরকনু। হাওনা পোপতেক য়াত্তাবদা কোকপান থোংবু চিক্তনবা লুপান থোংবু নাদনবা চিংঙু পরৈ চেৎচগে। ঙসি কোরৌ নোংদা মুংশি নঙগী মাম্লদা থোয়নৌ ইতা শক্লবী শিঙেল লৈরাং নাচোমবু থেৎচগেকো ননাওনা। মুজা ওইবী মপোকনিনা পাম্মু হৈনা মতুং ইন্দুনা পাখং মতেঙ পাংবা য়াক্লবম্মু শিঙেন নাচোম অসিনা মুজা ইহুং শিন্দুনা পাম্মু নতুং ইনজগে। কোরৌ মৈশা লাংবদা রাংবল মৈচাক কংবদা শিঙেল লৈচু ওন্দবা লৈরাং লৈমন চন্দবা নাগোম লৈনম মাঙদবা চিংঙু থাংজীংনা কুবিসম্ম। করিগুম্বা শিঙেল লৈচু ওম্নবা লৈরাং লৈমন চম্নবা নাচোম লৈনম মাঙলবদি ননাওদি অরা তুরৈ চক্লে অনং ইরৈ লাংলে পাম্মু নঙবু কৌজবনি খনবিম্নবা থোংলৈ থুনা মুরা নাক্তা লাকপিয়্" হায়না পুকমেম পাওমেম্নরক্লে। মতম চঙনা শেমজবা লৈচল মুরবা শিঙেল নাচোম অহু মশাবিগী নাম্নাদা থেৎলগা মুরা খাংবা ঙমম্নবোই হিক্লা হিক্লা কপম্নরক্লে। চীংজুম লাইজ ঈফুংখোক খিঙেল লাইজ ঈজমখায়গুম মরাগী মিৎলু নাপোমদা তংতনা শিম্নরকপা

পিরাংবু উবদা শক্লেন নোংশাঙুম থৌনা কৌবা, থৌহু মুংদগী হেন্না কম্ববা কদেংগী থম্মোয় অহু লৈরাংদগী হেন্না থোংলক্লে। পাখংগী মিংলু নাপোমস্থ পিরাংবা থুমহৎলে। শিস্থবকপা পিরাংহু পাখংগী খুৎনা তৈথোক্লগা মশানৌবু থম্মোয়দা চেংনা কোমশিল্লে। অস্থুম্না মুরা পাখং অনিদো অহীং তাংলৌ অথেংবদা চেক্লা চাঙুম চিন্দিন্না পোম্বী চাঙুম চিন্নোক্লা মোমচুগী থাঙ্গ নিঙোল কাদা কুংশি মুংঙোলগী রারী শাম্নহুনা পুকমেন্ন পাওমেন্নহুনা লৈখ্রে। অহীং তাংলৌ রায়রকপা মীচিক মীরাউথোল তায়ক্রবদা পলেম খঙদবা খঙলক্লগনি পহৌ তাদবা তায়ক্লগনি পাখং থোঙদোই হুর্ন্নগে হায়না মশানৌ মনেম্মচাবু থেমলগা কদেং থাংজহন্নবা মরানরাইদা হনখি।

কেগে ইন্নুং ভাল্লক্লে মোইরাং শোরা হেল্লক্লে। চেক্লা উখুম তুম্বীচা মপান মুংবান থালৈলৌ লাংবন .কৌনা নরাংবী নোইম্নু কৌথোং থাহনা হুপনৌ নয়াই কৈনা চিক চেক্লানা তুম তুম· য়াকায়রকলে। কেগে ভারুংহনবা অঙথনা মোইবাং খুনখামচা পুরগা লমলেন লোক্তাক পাংতা চিংঙ ভারম চামা কাবা কুমগ্রে। পাখং মোংবা মরানয়াই চমলৌ মংখন লাংহুনা তরা চাকঙন চারগা কদেং শারুংহনবা অথৌবস্থ লাঙ্গোই শগোল তোংহুনা তাউব। হুইজাও মাঙদাখা মোইরাং খুম্বকমচা তমবা মুপা কুস্থাগা থুৎসু থাঙলেন নাক্তা য়ান ভিমেন তা পায়রগা কেগে তোয়বুং পাংলক্লে। লাইজিংলাকপগী মমোমলোই মুরা কোন্দে ভান্না হুনবী মচেমলকগী হেঞ্জবী মনাওলক্লগী থোইজবী তোমু লাইজিংলেম্বীনা মনাই থোইনুগা ভান্নহুনা তাউজিং হৈরাং নিংথিব। শিঙেল লৈরাং অহেনবা অথুম অহাউ কয়াগা লোয়নবা মশাখি মমানমচাগী অথেম পোংলম লাংলক্লে। কোয়ৌনা য়াতোন লোন্নকপদা থোয়বৌ মতা চায়বীশিংগা লোয়ননা মোইরাং খুনঙ্গিনবীগী লমলোংদা অথেমপোং পায়হুনা মশাখি লাকপা ভায়জরি। কেগে লৈথাকী কন্নাইবা শারুংহনবা অঙথনা শাক্তি লান্নকি শেংহুনা লাক্লোই শগোল তোংহুনা তোয়বুং তঙনা কুম্নকপদা মশানৌ মনে-

মচাম খুনদিনবিগী লমদমদা ওাইহুনা ; লৈমিবদু ঙবদা লাক্লোই শায়াংথঙগী কুমথরগা হুয়াগী মাঙা চঙলকই। কেলগ ভাদোই অঙক্বা লমলেন তোরবুং কুমহুনা চিংঙু শায়ম কাবদা কোয়ৌ মৈশা লাং রাংমল মৈচাক খাংবদা মচলগী তাউঙ্গিং হৈয়াংসে, চারগা অয়াম খৌরা.বা কোকপিয়ু শিঙেন লৈরাং চিল্লগা অয়া পোথানবিয়ু থ্রীহম শাবি শংনৌ অনিদো শামু থুৎশিল্লরক্লে। মশানৌ মনেম্বু চাঙা শীবা হুংশি অথেনপোৎপু পুরগা কেগে তোরবুং পাংখিবা মথংলেনবু মিংকম হোংদনা চিংমা মেংহুনা লৈহৌই হুয়া হৈরেম্যচাদো।

কেগে লৈবাক্কী উল্লুংলেন মোইরাংগীদি শায়োকক্ময় লমলেন তোববুং লমজাউদা থুম্বকমচাশিংনা মথুংতা শাঙ-তা থুংলায় শায়রগা য়াওয়ৌ শাথোং খিংলকলে। কদেং থাংজহুনবা অথৌবনা কেগে হুইরোই মচাশিংনে তাউবা হূইজাও তরানে মথৌবা লৈবা তমব মুপ্পা তম্রাগা লোয়নমা য়াওয়ৌ শাথোং লিরকলে। খা-রাং নাংপোক নোংচুপ মায়কৈ মরি.সেম্নোবহুনা য়াওয়ৌ শাশিং য়াম্বা তাপহুনা শাকা রাউম তমংক্লে। অযুক হুংখিল মুখিংদা খাঙনা তুম্বা চাবা খন্দনা কোয়ৌশিংকুম তরানি চুপ্পা য়াওয়ৌ শাদানবদা শাবম তনা কংবা থমক্রে। ইকং কারা খোমহুনা খাম্বী মৈজাউ হৌরগা খাগা রাংগা তানিদনা তাউবা হূইজাও পুহুনা কেগে হুইরোইমচানা য়াওয়ৌ শাথোং থিংলকক্লে। থুংলায় পায়বা মীয়াম্বা খান্বী মৈমাও থায়া চেল্লকপা য়াওয়ৌ শাশিংবু লাং থাহুনা ফারে। লমজাউ থোয়া চাকলককপা মৈরিঙ্গা কোয়ৌ নোংমদোল তম্লকপা, মৈগী মৈখোল তারদা খান্বী মৈশা কংবদা পোম্বী চেক্লা কয়াম্বু লৈনা থমদহুনা লউনা থোনা পাইথোক্লকলে। নরক মোংথোং অশোংবদা না-থুপহুন্না লৈরম্বা য়াওয়ৌ কয়াম্বু লোংশা য়াদহুনা খান্বী মৈমাওদা চেল্লকপদা, কদেং শাক্ষংহুনবা অথৌবনা লাক্লোই শগোল চোংহুনা মথুংতা চেক্লা উপংলাং য়াওয়ৌ কান্নালাং পায়রগা চেল্লকপা য়াও-রৌনা, কাঙ্গাশিংহু জারা তাম্লহুনা য়াওয়ৌ শাশিং মুনবা কায়রুরে।

অমুম্বা মায়কৈ শীনবা থুনা তোম্বকুং লমজাউ মৈ চাকথংলক্লমদা খোই-খোংলেংগী চীংখ্রেল লাম্বুরা লোকী লোকমাওদা নৌনা য়ুম্লনবা য়াওরৌ শণ্ডাই মতৈ-মনাও অনিমু খোমলেন য়াতাম্বনা লৈ। লমজাউ খোয়া চাক্লকপা খাম্বী মৈরি উবদা মৈথুনা ল্লোংমদোল শারং শিরক্লবদা য়াওরৌ শণ্ডাই অমোমমু মিকপ খোম্লকুনা মশাগিবু হৌদোক্লয়া খোমলেন মণ্ডবু পাউদমজে। "শাবি ইবুঙো তাবিয়ু! ওসি যোমল্লগী খোমলেন মণ্ডলানচান্দা ওম্বোকপা মণ্ডবু মণ্ডওইনৈ। ননাওবু য়াওরৌ লাংনা ফাম্বনা ওকশয় তোংদম থক্লা মালবী ক্লোংগোই হুম্লুনা তাইবং মীখুং চল্লমী। চাক্লিবা খাম্বী মৈম্বিনা য়ৌম্বিক্তিগৈদা য়াওরৌ শাকম হোংহৌসি, চাক্তাকমু য়্যাংকৈ য়েংহৌসি। ননাওদি হৈরাং হৈরু পানখিবা থাবুম তরুক ফারবনিনা প্যাঙ্গল থোক্লা চেন চোংবম্লু ওম্লক্লে। শণ্ডাই অমোমগী য়্যাম্বামু তাবদা নাপল চাউবা শণ্ডাই লাবমু করিম্লু য়াওই থওইদে। শানৌ ইবেম্মা পায়মা খুংদা চিংনগম্লু, চেক্লা মকু মণ্ডমি, খোমলেন মণ্ডলান য়ারাবু তাইবংদা মণ্ডফাওনবা [illegible]দে। নশাবি ঐনা হিংলিগৈ, শানৌনা করি রাগনি লুংঙাইনা লৈথোকউ হায়দুনা শণ্ডাই লাবমু করিম্লু নাচুংদনা থওই য়াওইদনা লৈথোকলে। শণ্ডাই মতৈ-মনাওনা চংসি চংকম্লুসি তরেং ওয়া থোক্লা থনমদুনা লৈরিগৈদা লেপ্তুনা চাকশিল্লকপা খাম্বী মৈম্বিবু মালং লুংশিংনা পুম্বনা মায়কৈ মরি শীনবা থুংলকলে। খাম্বী মৈশা ফংবলে, মৈম্বিনা পলোন শানা কোয়শিনখিবনে শণ্ডাই মতৈ মনাওদো চেনকম থওদম্লা ককওাওনয়ে। লাবনা মমঙ থাম্বগা অমোমা তুংদা চেন্দুনা মৈরি য়ৌদবা অহাংবা মকম থিবদা থিবা ফংলক্লবদা শণ্ডাই লাবদি শামা পাজল কনকনা খাম্বী মৈরি লাকনা চোংখ্রে। মাক্লরৌ শণ্ডাই অমোমদি মণা লুম্বনা খাম্বী মৈমাওথান। চেনসি চেনখদা, খাম্বী মৈরি ল্যাগ্না চোংকি চোংজমদা খাম্বী মৈরক্লা লৈক্লোরে শণ্ডাই অমোমা মশাবি, চিকনা য়েংলগা। "শাবি ইবুঙো লুংশিরা, লাইরকচাউবী ননাওদি মুম্বা পাজল, ওইবনা পামু হৈনা

নতুং ইনবস্থু ওমৈজরে, খাম্বী থৈবুংদা য়াইবী মাতবা তাররকলে" হায়না কপ্পা কপ্পা লাউরকই। শন্তাই লাখনা হয়া য়েংলকপদা মপানৌ মনেম্বচাদি খাম্বী থৈবুংদা চেল তোংহুনা লৈহৌবহু উবদা মখবাম খায়হনা মপানৌবু চিংবা য়েংলগা খোজেল খাংনা কৌরকই। "শানৌ ইবেম্মা লুংশিবী। খাম্বী থৈমিনা খাংখিবনা শানৌ মতম্ লৌরবা ইতিক ওইজে। য়াইবী নখবায় হিংনবা চিংঙু মাবু চেংনা খাগোয়জৌ। খাম্বী থৈবি য়াংবা খাংমদা শন্তাই মতৈ-মনাওনা খোজেল খাংনা কৌহুনা পুকমেম পাওমেননবহু অয়ামদা কদেং খাংজহনবমা উয়ে।" খাম্বী থৈবি য়াংমা লায়া লাজোই শগোল" খৌজিন্দুনা শন্তাই অমোম অহু কায়গা পুখ্রে। মহু উবদা শন্তাই লাখনা মথাল লৈজরবী ইশানৌবু কাহুনা পুরিবা কেগে লৈবাকী অওবা নহাকম্হু থৈনা অপাম কাদা শেংনবা মুংশি কায়না থৈচাক কংবগুম নহাকম্হু অপাম মুংশি কায়না থৈচাক কংঙু হায়না চৈরপা শন্তাই লাখহু খম্মোয় শোক্পা কপলক্লে।

কায়নবা

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কদাং ভাকুংহনবমা কেগে লোক্তাক পাংভগী লেমলৈ ভারুম চাপা কাম্রিতৈ, কদেং খাংজহনবমা লমলোনং তোরবুং লমজাউদগী য়াওয়ৌ শারম চামা কাবা চংশ্রিতৈ কেগে নিংথৌ পুরিংলাই লাইখিংথু পুনশিবগা মপানৌ মোইরাং থৈজপা চংঙু খাংজৌং খুয়া খাদা হৈরাং লৈরাং কংহুনা পাবি পোকচলে ইমোম শাংচগে নিরক্লে। মপু মোইরাং নিংথৌনা মপাদি অথৌবা মমিংতা উরুকুবদা থৈনা বায় তাংনা শুয়া কেগে মোইরাং লৈবাকী মহৎ মরোং শিন্দুনা নিংথৌ ওইবিনবা থৈজবদা মপুগী উনবি পুক্রিল- লোয়রকিংলে। নিংথৌনা খাবিবহু চিংঙু 'খাংজৌং লাইবা ভাবিরহুনা মপাদি থৈগে মমোম শাংহনগে খরতুনা চকপা লমলাং' খাইবী

[illegible] [illegible] তাকনীনা শম্বিক তোমবাউ থাংগোয়া, চিংগু লাইপাউ [illegible] থোকুম লাইপাউ [illegible]কলে। মোইরাং নিংথৌ ইমুংগী ইশুরোই [illegible] উরা পক্লাংমেদা শাহেং ভাহাংবদা নিংথৌ কোলোয় [illegible] চন্দ্র [illegible] থিরপা তালোত্র শীংরা চন্দ্র, [illegible] লাদা যেরুবদি মপারি পোক্তবা পোকনি নমোম শাংতবা শাংকনি [illegible] [illegible] হাবগে?" চিংগু লাইপাউ ভাবদা নিংথৌ পুক্লিং লৈতায়হনা কেগে লৈরাকী কম্মাইবা অঙম অথৌ পুন্নমকা লোয়ননা মপু কংলা তোংয়াইদা য়া থবা হৌরকলে। কেগে মোইরাং লৈবাকী য়াহুকবা। নিংথৌ খুতম-মুংতবা চিংগু লাইপাউ তুংইদা লিক্লাই কোলোয় মিংমাগ্রবীবু কেগে লৈবাক শিনবা পুংবা থিরবা লিক্লাই লিকথাং ওইহনবা। শাবি মযোম শাংবরা থৌশিনসি [illegible]। কেগে লাইনিংলাকপা [illegible] মযোমলোই মথকা মচেম শাংতবী মথাদা মনাও পোকপী নিঙোল [illegible] তোমশাংনবী কেগে লৈমরোল লক্তা তোমথিল ভাবী ক্লোইদ্রাম [illegible] নিংথিজবী মপু কোলোয় মিংমাগ্রবী তোঙ্ লাইনিংশেম্বীবু লৈবাশীংদা চন লিক্লাই লিকথাং ওইবিবু হায়না মপু [illegible] পাদা তোলোমখোম্বা অওবনা হঙ্গলক্লে। [illegible] য়াথাহ ভাবদা নিংথৌনা য়াথিরে, কেগে লৈবাক মীয়ামগী [illegible]। লাইনিংলাকপা অওবু সনা নাক্তা কৌরগা নুংশোম তোঙ্ লাইনিংশেম্বীবু অওং অতন তয়গা মপু মে হুরাং নিংথৌদা [illegible] লৈরা শীংদা চন লিক্লাই লিকথাং ওইহন্দুনা মপারি পোক্তবা পোকহনবসি মযোম শাংতবা শাংহনসি চিংগু থাংজীং লাইপাউবু কোমৌ [illegible] [illegible], মালেম লৈদা তাকদে হায়নরক্লে [illegible]। লৈবাক [illegible] [illegible] লাইনিংলাকপা [illegible] পারিয়া লৈনা [illegible] [illegible] পোকপী মযোমগী য়াবা [illegible] তাদয়া উমবি [illegible] [illegible] কেগে লৈবাক মীয়াম [illegible] মাঙ্গ কাংখোকপা [illegible] [illegible] [illegible]। মরাল্লয়াইদ। হনবি।

[illegible] [illegible] চিংও, [illegible] লাইপাউনি [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] কেপে মৈতৈয়াং লৈবাকা চঙ্ [illegible] [illegible]। [illegible] অদোম [illegible] চেংবো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈপিহনি। চিংও, বাংজৌংগী লাইপাউ পুইয়া [illegible] [illegible] [illegible] ভার্গোবিন্দসিংদা চন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈবাক মরা [illegible] চিংও, [illegible] পীখ্রবদা। লৈবাক [illegible] [illegible] বিবনি। কেপে লৈবাকীদমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]" [illegible] [illegible] অতবনু। মাপী [illegible] তাবদা লাইফিং- লাকপা [illegible] মাতৌইনমক্তে, [illegible] বাখল [illegible] [illegible]। ইপোম [illegible] [illegible] লাইফিলোকপা। ঐদি অদু [illegible] [illegible] [illegible] তাপি [illegible] অতুমতাইরে। ঐদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যৌদ্রু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মাপী অমোমা [illegible] [illegible] তাবদা [illegible] অদো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] ইশাগী [illegible] [illegible] য়েংনহুনা। কেপে লৈবাকী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈবাক [illegible] [illegible] কেপে লৈবাক মাও [illegible] [illegible]। কেপে মৈতৈয়াং [illegible] [illegible] অদো [illegible] হিংলিদৈবা কেপে [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈবাক [illegible] [illegible] [illegible] লাইফিলোকপা [illegible] [illegible] পবৈদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]' চিংও, [illegible] [illegible] [illegible]" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] অদো [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোমা [illegible] তাহনা লৈপিবী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

কন্নরা নৈথিগদৌগ্নিবনে। ? লাইবকচাউবী নমোমদি অরাবনা নুংদাফুম নুংঙাই চিনবাগ লাংশিননা পল্লেম পম্মৌ অনিগী নয়াথং ইনবনা অমুামগী ইথৌদাং ওইজগে। নমোম্না অপাম পাবদা থরজরয়োই শরি যাওক থিরায়বোই। লাইবকচাউবী নমোম্ থাজ ননীং ভম য়োনজ মথা ভম্বিরোনে অংপোকপা।” অসি হায়ত্থনা তোম্বুনা নুংশিজয়বা মপাবু কোন্দুনা কপলরুবদা লাইজিংলাবপা অতম্বা থঙ্কা মৈচাক থাংবা ঙমদত্থনা কৈথোক্তু। নৈবে, শিস্থরকপা পিরাংদি থিংবা চমদবনা মিংলু নাপোম থুমলক্লেং তোম্বুনা অচম অথৌ ময়ামগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা ‘পম্মৌ থরুবা কেগে লৈবাক্নী অঙম অথৌ পুন্নমক! মপু খাদা হঞ্জংশিরুরো. নিঙোল লাইবকচাউবীগী অপাম রাথল তুংওইমা কেগে লৈবাক্নী খন্দুনা লৈমাকোন্দি নিংথৌকোল. মপু কোলন্দি লৈকোয়রেল য়োঞ্জরগে লেপচবে হায়না হিক্লা হিক্লা কপলকলে। তোম্বুগী মঙং মথৌদু উবদা ওকস্লুলাকপা অঙম্বা থম্মোয় পুগা মাথিদে। লাংলেন নহাক্লা কেগে লৈবাক্নী খন্দুনা লিক্লাও লিকথাং ওইগে য়ারবনিনা ইপাথোবম্নু নুংঙাইয়ে। কেগে লৈবাক লৈচাউরগনি, নিংথৌ কথান মংলয়োই হায়রমগা অঙম অথৌ পুন্নমক হমথি লাইজিংলাকপস্থু রা মচেং অমত্তা ঙাঙদনা মরূ লুক্কুনা ইমুংদা চঙথি। তোম্বু থোইম্নু মপু মনাই অনিদি থাঙ্গ নিঙোল কাদা চঙত্থনা অরা মৈচাক নুংদা ফুমগা হিক্লা হিক্লা কপমিরত্থনা লৈগ্রে। লাইজিং-চাকপী মমাম্নু ইমুংদা অমুক চঙ মমোমদা অমুক য়েং হায়কম তৌরুম থঙ্জদনা রাথলনা নুংবংনথি। কোলোয় লাইজিংলেম্বী থোম্নুমত্থনা অপাম কাদা লেংলয়ে. নুংশি কাদা- থুংনদক্নে থল্লুবদা নুংঙাইতবা কাথলন। থম্মোয় থোম্মা চাকশিবা মিংঙমদবা মৈচাকপু থাংবা ঙমদত্থনা তোম্বু মথোজ মোক্লা- কপলকলে। নোংথোং ফুমনা তৌবকপা ইঙা অোংলেন নোংবা থোংমা।লাউনা মাঙ্লেম শিনবা থুংনা চুববগা লবুক ল মহাংদা নাইতোম চাঙ্গাজবা চেক্লানা পোম্বী মহম তম্না পাইশি শাইঙবদা পামেল উরুম থুপ্না’ লৈশি লৈঙমদা চেক্লানা কায়দোংকম

খুঙদহুনা কোইশাই পাইহনা লৈবগুম শহৌ ইংখোল চাইগোইহুং মোমহু লাইবকচাউবী লাইহিংলেম্বীদো মশাখি হৈনা মতুংদা লৈকাক য়ারঙনা লুদা থোং, শঙ্গোই য়ারানা নমদা থো, চিংঙ্ লাইপাউনা থাদা কোল, অরা খাম্বী মৈচাক্লা পায়বা হুৎদ। যুম হিক্লা হিক্লা কপ্তুনা অরা মৈচাক থাংলক্লে।

মরিংগী লোইবী পামলোৗদা নাইতোম হৌবী চংবী লায়াক তোংদম্বা মালং শউর্ম ফংবদা চংবী লায়াক শেংলপ্তুনা অপাম কাদা শেংনরে, নুংশি কাদা কায়নরে মোমহু লাইবকচাউবী লাইহিংলেম্বীদো। লৈপুল খল্লোম শেম্বা মোকুম মংঙা পাদমবা শোইনাই মহেৎ থাংবিদুনা কবিগী কান্না মৈশা লাহনবীরিবনো হায়না চিংঙ্ থাংজীং লাক্কদা মাঙলমক্লে শুক্লা ওইকীদা। মখেমগী অহানবা মওং মতৌহু উবদা থোইনু মাস্থু থাঙবা গুমদহুনা। মপু মনাই কোম্বরগা কপমিন্নরক্লে। মতম অসিদা লমলেন তোরবুং লমজাউদা কদেং থাংজহনবনা খাম্বী মৈ থাহনা য়াওঙ্গৌ শাখোং খিংনা শাদামবগী শোম্বি তাঙ্গোইহু নুংশিংনা পুরকুনা তোনুগী গুমাংদা তারকলে-ঙবনা থাক নিঙোল কাদা পাইশিনকুনা তোনুগী মমাঙদা তারক্লেগা তাঙ্গোই মাবু খুল্লগা, "লমলেন তোরবুং লমজাউদগী মালং মাঙ-ওইনহুনা পাইরকখিবা শোম্বি তাঙ্গোই হঙনা নিঙোলগী থাক কাদা চঙলকপবু পাম্থু মপাউ পুন্নকপা নুংশি পাইখোল লাকপা চিংঙাউদবী ইন্তাঙ্গোই খোঙনাইদগী খোম্বনৌও চিঙ্গোয় নপাউ শেংবিনু মিঙোল ইকময়া তম্বিনু হায়না তোরবুং মায়কৈ ওতুম্বা মশাখি কদেং মীং-শিংহুনা কবো চাংশোই ঈয়াওাখাল খিজেল লাঙজ ঈমমখার্দৈ ইকৃায় ইকি কাংমলাঙা খেগোল থোক্লা লপলকলে। মশাখি হৈদুনা নুংশিবা থংলেম মাঙ প হুবা! নিঙোলা থক্লা পামুংকপা পীতখিবা লৈরাং নাচোম, অহুবু য়াওঙ্গি কাউবরা। চিংঙ্ থাংজীং শাংগোই কবাওবা পীজরা নাচোম অহুবু শিজেলৈহু ওন্নিবরা, লৈরাং লৈমম য়াওজ্রিবরা? নাচোম লৈমন চঙদি অরা তুরেল মচেং অমং মীকৈ

লাংলে, পাম্মু নঙবু কৌজবনি চুঙ্গা নাক্তা লাকপিয়ু পুকমেন পাও-
যেন্নখিববু খোয়ুম মোংদমখোলনা কনখিবনা পাম্মু নর্ঙবু কাউম্নব্রা?
ননাওনা তপচবা য়াওগ্নৌ শঙাইতু ফারক্লগা নুঙা কনাগী মকমদা
পীবিগদৌরিবনো"। অশুম্না মপু মনাই অমিনা কপমিন্নহুনা লৈরিঙৈদা
নিংথৌ মনাই খোংমী লামমীশিংগা লোয়ননা লৈবাক্কী অচম অুঙৌ-
শিংনা দোলায় লেংজাউ পুম্নক্নুনা তোম্বু লাইজিংলেম্বীবু লৌবা
লাকপচু লাইজিংলাকপা অঙম্বগী শুমাংদা থুংলরে। অচম অথৌ
মম্নাম লাকপচু উবদা লাইজিংলাকপী মমানা মমোম্না লৈরিবা থাঙ
নিংঙোল কাদা চঙলকলে। "ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা! উতি শমখোং
শেংলুরো চেংহি শম্বাল লাংলুরো, থুগা নাম্বী য়াশমচেং তোনাম্নবী-
চাম্না লাংলেন শমুম 'মশীং খিজম্না। নিংথৌগী মনাই অঙম্বশিংনা
দোলাই সেংজাউ পুম্নকতুনা পম্হৌগী শুমাংদা থাহুনা ইমোম নঙবু
শকহুনা লৈহৌয়ে। ইমোম খোইদু নঙনা নচেমগী ঈয়াজনবা থৌয়াং
তৌরুয়ো" হায়ম্নপা মমাদি ইমুংদা চঙখি। লেপ্লা লৈতনা কপলক-
পম্না তোম্বু মখোল খোকম্নক্নে, তংতনা শিন্নুকপা পিয়াংনা মায়-
কোং চোংংলে, মমিং অমি পোমখংলে। খোয়নৌ মতা শক্লবী,
খোইম্নুবু চিংনা য়েংলগা "অচাম্নবী! নিংঙোল হৈনা ইতুংদা পাম্মু
মালা লাক্লবদি নিংঙোল শক্লা পাংংগী পুক্লংবু কাবিম্নুন পুকমেন
পাওমেম্নবিম্নকো নহাক্লা। পাখং মকাদা তপখিবা য়াউয়ৌ শঙই
পোংতপপু নিংঙোলগী নাক্তা য়ৌহনবিম্নকউ। পাম্মু চেংলৌ য়েংজ-
বঙম য়েংলগে চিংগোয় ইপাউবু তখিবুকো চাম্নবী" হায়রক'ল।
মবেম্মগী থম্মোয় শোক্লবা য়ারাতু তাবদা খোইনু হিক্লা হিক্লা কপলক্লে
"কেংগেং লৈককোল নৌখিবী, ঐবু লোইবী চাম্নবী নহাক্লা লৈমাকোন্দি
নিংথৌকোল মপু কোলদি লেকোম্নবেলদা য়াঙ্গোঙথ্রগা নমাই খোইহুদি
ইঙ্গোয়ুক করম্না লৈহৌগনি। ননাইশু ইবেম্মগী হৈনা মতুং ইন্দুনা
অন্না মুংঙাই শক্লক য়াজগে" হাম্নকপা খোইনুগী য়ারাতু তারগা
"খোয়ম্নৌ শকপী নহাক্লা হৈনা ইতুং ইম্নকদি, পাখং মাগী মকমদা

কনানা নিঙোল ইপাউবু তম্বিগনি। লৈবাক নিংথৌগী য়াথং পুদুনা য়িঙোলনা লিক্লাই লিকথাং ওইবদি খুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না লৈরুগদবা নত্তেদো। কবো কদা লাম্নরবী মমোম শোংঙ্গী লৌঙাকপী চৌংখু লক্তা হাগোকপী খেক্তলক্তা চাক্তাবী লোকশা খুদিং য়ামকপী লোকমায় খুদিংদা য়াতাবী মনীং মথা তম্না লৈতবী চেক্লা তেনোই তেনরাবু মপাং লক্তগী কায়গা উত্রং আক্লাদা পোম্বী মখোং পরৈ চন্দুনা চেক্লাগী য়েংলোমদা লোইমাম কৌগে খিন্দ, ওইরোমদনা তরা চেংগৈ খিন্নবস্থু চেক্লা লক্তা ফিননিংবা, শঙ্খ লক্তা পাইনিংবা. তেনরা কৌরবী পোম্বীনা য়ানা থাংবগুম্ন কপসি কপ্তমদা কপ্তুশিন্না মোকশিন্না য়াদশিন্না খুংঙাইশা পামমু কায়না মৈচাক্লা খঙ্গোয় খুংদা ওমচাক্লা য়াঙ্গোইরুগদৌরিবনিনে খোইখু।” তোম্বুগী য়ারাম্ন তারগা খোইনু য়া মথা তাবা ওমখিদ্রে। পলেম মমানা অমুক হন্না লাক্তুনা খেংগ্রে তকশিন্নরুবদা তোম্ন কপতুনা লৈথোকপা য়াম্লক্তে। রাংলেন পুংজা কানা পাম্মু নঙবু ঙাইজবা য়ারোইদৌরে নবাওদি। তৎতনা হুমল্লিবা মালংবা নিঙোলগী অংবাবা ইপাউবু লমলেন তোম্বুং লমজাউদা চিংঙু শারম কাখিবা পামমু মাগী মকাদা অমুক্তদি তম্বিরুগবা হায়না মালংবদা পাউখোম্ব শিন্নকলে। মমোম্না ঈরু মায়থঙ্গী য়ারক্লবদা পলেম মমানা মমোম্ব অঙাং নাউবাগী মত্তোগুম য়েনখাদা পুথোক্লগা ঈরুজবিরে। চরৈ নমথাং লিককোল খনা শেৎচিনবিরগা দোলাই থক্তা তোংহনা নিংথৌগী অঙম অথৌ নয়ামলা লোয়নহনবা মপুগী সনা নাক্তা নুহোংনবা পুখ্রে। লাইহিজিংলাকপী খোইনু মমা মচানা দোলাইগী নাক নক্তা শেমহনা য়তুং ঈরুখি।

অসোমদা তোম্বুং লমজাউদা শারম কাখিবা-কদেং থাংজহনবনা চিংঙু শারম চানা তরবদা থুম্বক মচালিংগা লোয়নমা অচা অথক মরুক থন্না হান্নিরগা অহীং অহুমা পোথারে। কদেং থাংজহনবনা অচিকপা মকম য়েংহনা মালং ইচিক খৈমগে খঙ্গোল হুকচিক লাংগো খোরকপদা মপানৌ মলেমচানা শীরকপা শিংঙেল নাচোম মীংলিংক্লে।

চমলো লানা লাম্বুদ পানা য়োমথুমা থমলিবা নিঙোলগী মেলোম খুদোল মাচোম, ষেংলুবদা লৈরাং লৈচু ওন্নবা, পিঙেল লৈমন চন্নবা উবদা কদে' কুপ্পাথীবনা শোয় মপি হোল্লকলে। পাখং হৈনা'ইতুদা লুবা মাবু অৱা তুরৈ চল অনং ঈরৈ লাংবত্রা তৌরাং কক্তা ওল হৈদো নাহে চন্নত্রা মওল মওল থল্লকলে।' খুদক্তা মপানৌ মাক্তা চৎতুনা অরাবা শরুক য়াগদববু চিংগু পারম মযাম হুন্দোকলগা চংপা য়াদবনা কদেং তুমকম চাকম খওক্লে। অদা অদা তাম্নবদা কমথিমু অপোম অওাম য়াওরবম ভাকপিমু হায়না মথুং লোনন্দুনা চিংগু খুমাদা লাপা থুরুমক্লে। কোয়ৌ মৈপা মবক্তা য়াওরৌ পারম চামা কাব্দা ব্রাবদুদি মপানৌ উনিংবনা লাংতক্লবা কদেং থাংজহনবদো অহীং অতুমা লেনবনা শরুক চামা হেন্না ব্রাখ্রে।

কেগে ইমুং ভাল্লকপা মোইরাং পোরা হেল্লকপা পোন্বী চেন্নানা য়াকায়রবা অখুকী য়েন্দা অওনবদা কদেং থাংজহনবনা খুন্থক মচাপিংগা লোয়ননা চিংগু পারম পুন্থনা লাকপনা থাংজীং লাইমাও য়ৌরক্লে। য়াওবৌ পারম চাংবু নিংথৌ মনাইশিংদা পিন্নরম্নগা মপানৌ তোম্ব লাইহুজিংলেম্বাগী মন্নানয়াই তম্না য়াওয়ৌ পঙাই পুন্থনা লাকলে। য়াওরৌ পঙারুগী লিতোন পায়রগা অওবনা থরাই থোঙাল লানশিল্লকপদু উবদা থোইবু ইমুংদগী চেস্থোবক্লুনা মাঙোল উখোকতেন্দা ভারগা রা ভাওনা হিক্লা হিক্লা কপ্পুনা লৈবদু উবদা কদেং মপুক্লিংদা চিংনরদুনা থোইবুদা কব্রিগী কপলিবনো হংলকলে। 'কেগে লালোই অওবা! ইচেম লাইহুজিংসেম্বীদি নিংথৌ পন্না রাংবনা লৈবাক রানা লুম্বনা চিংগু লাইপাউনা কনবমা নিঙোন পোকপা পম্বোবু অৱাকমদগী কন্দবা য়াদবা মন্তাং থোকখিবনা অপাম কাদা শেল্লা মুংশি কান্না থুংনদনা লৈমকোল্লদি নিংথৌকোল মপু কোলদি লৈকোয়রেল অৱা মৈচাক চুংদাফুম কায়না মৈনা ওমচাক্তা লিক্লাই লিকথাং ওঃ রুনা কপ্না কপ্না খ্রাক্লোইখ্রে, হায়রকপা থোইবুগী য়ারাদু তাবদা কদেং অশাউবনা লুতোন কাথবোই,-নিংশা পোয় কুইনা হক্লে,

মমিং ঈগুম ঙাংলকলে মশা থক থক নিকলকলে। রা ঙাঙদনা চপ লেপলিবা কদেংগী মতৌ উবদা থোইনুগী মপুক্লিংদা অকিবা পোকলকলে, মিংলূদা শিন্থবকপা পিরাং উরুমগা থম্মোয় শোকখিবনা হাযনিংবা ৱা কয়াস্থু হায়বা ঙমদনা মরু লুক্কুনা লৈরে। কদেং মাস্থু লেঙদবা পামেলগুম ঙাহাক লেপলম্লগা মানা কারকপা শঙাই অড্রু পুনশিন্নগা মমায় ওন্দুনা চংকে তৌরক্লবদা থোইমুনা চঙশিন্নক্কুনা ''পাবং নকাদা নিঙেলনা তপখিবা য়াওরৌ শঙাই পোৎতপপু নিঙোল নাক্তা য়ৌহনবিবকউ পাম্মু চেংলৌ য়েংজনগুম য়েংজগে'' ঙাকপিরম্মী ইচেমনা হাংরকপা থোইনুগী য়ারাদ্রু তাবদা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙলমদনা য়াওরৌ শঙাই পুরগা অর ম যথে লুকক্লা অঙম্বা মোংবা মবানযাই পাংখি। নুরা পায়মা খোয়দাবী, মুংশি পূক্লিং নুংঙোনবী মশানৌ লাইজিংলেম্বীগী খল্লুবদা অঙম্বা চাবা থকপা চঙদরে তুম্বা তিপা য়াদরে। লৈবাক নিংথৌগী মকা থোকখিবনা মপাঙ্গল মথৌনা উংতুনা শয়েং পানবু তিংবস্থু ঙমদরে। কেগে লৈবাক্কীদমক্তা য়াওরৌ শাহুৎ শিন্দুনা চিংঙু থাংজীং লাইমাচদা থরু খুদক যগশা লৈদা কুম, শমু ঙকশম তোংদম তিংনা য়াইবী থরায় থারমসবদি কায়না মৈচাক লাংলিবসে লা লমলোইদবনি পায়মা নুংদা খল্লকলে। লৈবাক নিংথৌগী য়াইকনবা খন্দুনা কেগে লৈবাক্কী অঙম অথৌশিংনা নমজাননা লিকথাং ওইহনবদা মুব মানা কায়না মৈশা লাংবা খুদাং পিক্কম তৈনা হাঙ্গাইরবা? নত্তুনা মুয়া মশানা লৈমনিংথৌকোলনু পামজৰুবনা লৈমশিংদা চনবা ওইরমগত্রা খল্লুবদা কদেং অরাবা ঈপাক্তা কংগুম তাউরে লংগুম পুল্লে. রাখলগী পোলেপ-কম খঙদে, তুম্বা চাবা চঙত্রে। ইনুং শোইবা মিরূপ অমত্তা তুম-দনা অরাবা রাখলনা নুংবংনহুনা লেল্লকপহু ইনুং হেক ঙানবগা হৌগত্তুনা মথুংমক্লা ক্ষজরবা থাঙলেন অনিখক শারে। থাঙলেন নাকন অমদা মশানৌ তোনু লাইজিংলেম্বীগী শক্তম য়েকই. নাকন অমদনা মাগী মশক মান্না য়েকই। অতোপ্পা থাংলেন নাকন অমদনা নিংথৌ যেকই, নাকন অমদনা তোনু লাইজিংলেম্বী য়েকই। অক্সুম্না

ফজরবা থাওলেন অনিহু থাওখুমদা হানজিল্লে। থাওলেন অনিহু নাকন্দা য়ানশিল্লগা মশানৌগী পোংতপ য়াওরৌ শঙাই পুহুমা মপু মোইরাং নিংথৌ খুরুম্বা লাকই। মদাইরেম অথৌবা কদেং থাংজ-হনবা চঙলকপা উবদা নিংথৌনা হৱাও তয়াম্না কৌশিল্লি। তয়ুম অচানবা চঙলকউ, নতাউ কদাং ঙারুংহনবসু লেমলৈ ঙারম চামা ফাবকনে। ইদাইরেম নঙনা ফারকপা চিংঙু শারম উবদা নিংথৌ ঐ পায়মা খৈনা পেল্লে। ঙসিদি চিংঙু থাংজী লাইদা কংলগা উত্রা শঙলাংমৈদা শাহোং ঙাহো লসি। কেগে মোইরাং লৈবাকসু ন্থুংঙাই মাইবী মবাং কায়রগনি, অঙম্বগী কেলোয় মিংচংসু হেল্লগনি” তাকপিরবপা মপু মোইরাং নিংথৌগী য়ারাহু তাবদা কদেং থাংজ-হনবা অরা মায়থোং লুরুক্লা মিংলু পিরাং ঈরাহৌ মপুগী খুয়া খাদা চঙশিন্নুনা মকোক নোন্না খুরুম্লগা ‘লিক্লাই ঙাঙোই পুরিংলাই নদাইরেম কদেং থাংজহনবদি কোরৌ মৈশা খাংহুনা লমলেন তোরবুং লমজাউদা য়াওরৌ শায়াম থিবদা ককয়ি চীংজুম থকপনা হাওনা পোপতেক থক্তা য়াত্তারুবনা কোকপান খোংবু চিকনা লুপান খোংবু নাবে। কোরৌ শিংবুম থরদং নদাইরেম ইরানয়াইদা অরা পোম্থা-জরুগে। ননাইনা তোরবুং য়াওরৌ শাদানবদা চিংঙু শারম শুবগা নাহতোম চাক্তাবা য়াওরৌ শঙাই অমথক খুয়া খাদা কংচগে ফাজরকই। মদাইরেম্না শাজবা থাওলেন অনি অসিসু মপুগী খুৎসু থাওলেন ওইবিয়ু” হায়না খুয়া খাদা খুরুমহুনা কংলকলে। “ন্থুংঙাইনা ইদাইরেম! নঙনা শাবা থাওলেন অনিহুনা নিংথৌ ঐগী খুৎসু থাওলেন ওইরগে। কেগে তোরবুং লমজাউদগী ফারকপা য়াওরৌ শঙাই অসিনা নিংথৌ পায়মা খোয়দাবী কেগে লৈমরোল লুচিংবী লিক্লাই লিকথাং অথোইবী. তোন্নু লাইজিংলেম্বীদা খোঙা ওইনা কংচরে।” তাকপিরবলে। নিংথৌগী য়ারাহু তাবদা কদেং থাংজ-হনবদো খোঙদগী তোন ফাত্তবা তু চুংই, মশা পুম্বা হুমাং কাংই, নিংদোল তিং তিং চোংই, থম্মোয় তনিক তনিকই, রা ঙাংবা থোক্ত

মায়থোং খেগুম লাংশিন্না নিংথৌ খুকম্নগা কদেংনা থুনা য়াংনা শণ্ডাই পুহুনা তোম্নু লাইজিংলেম্বী লাক্না চংখি।

নিংথৌ শেনবা মনাক্তনা চেল্লকুনা মবেম্মা লাইজিংলেম্বীদা, সনা য়াথং তুংইন্না মপুগী য়েংকা পাখোম ওইরিবা মদাইদেম কদেং থাংজহনবা অণ্ডম্বনা লমলেন তোরবুং লমজাউদগী ফারকপা য়াওরো শণ্ডাই অমতং খোঙা ওইনা কংচাগে অণ্ডম্বা খোঙকাপ ওন্নক্র হায়না খুরুমহুনা হঙ্গংলি। কদেংগী মিংলেন পনবদা লাইবকচাউবী তোয়ুদো ইপাই কোরি কারে মমিং তথক তথক্রে, নুরা থম্মোয় পুবা উমলাক্রে। লিক্লাইগী শম্নু শথেংপাম্ব ম ওইরিবা কেগে লাংলাই অণ্ডমবনা খোঙ-দোইবিরকপদি ঐগী ইর ইবক ফবনি তখিয়ু” হায়রক্লবদা মনাইছ খুরুম্নগা থোকখি। কদে থাংজহনবনা শণ্ডাইগী খোরি লিতোন পায়দুনা তোম্নুনা নৈবা সনা শনাইগী মাঙ্গোন তম্না অরা মায়থোং লুক্কা লাকপহু উবদা তোম্নু মমিং ফুপ্তুনা য়েঙ্গৈ। নুরা পাখং অনিহু উনবমকপা মিথেং তথক তথক্লা ডহাক য়েংনরুরগা নিংঙমদবা মৈচাক্লা ওমচাক্লদা থম্ম রদগী শিন্থনকপা পিরাংনা মংলুন পোম থুম্লহুনা মালেম লেপা লুকথনখি। লাইবকচাউবী তোম্নুদা কপদি কপঙমদা রাসি রাঙমদা পুংশি কায়না মৈচাক্লা থম্মোয় খোম্না চাকখিবনা মনা পূব তনিক তনিক্লে নিংশা শোর খোয়দা নৈতাবা উমদ্রে। খাংলেন মতম খবাদ মফম অহু ভন রাউমুক চিকথ্রে, মালং নুংশিং ফাওবা শিংখিদ্রে। অরা রাখলদা লম্মুকুবা কদেং থাংজহনবনা তোম্নু লাইজিংলেম্বীবু চিংনা য়েংলুবদাদি পিরাংনা চাম-থোক্লবা চেংলৌ শক্তম অহু নৈচিলনা কুপ্প থাজগুন ময়েক শেংনা মকা লাম্ন উবা ফংদ্রে। “কদেং থাংজহনবা ঐনা লমলেন তোরবুং লমজাউদা চিংঙু শারম ফাবা চৎলগাইদা থরায় ঐগী তুংনফম মিরেল ঐগী খোয়দাফম ওইরিবী নুংশি চেক্লা মহাক্লা তপচবা পোৎতপ য়াওরো শণ্ডাই অসি শিন্নগে চংলুবদি চেক্লা চাক্লাক্লম হোংলম্নে পোম্বী কায়-দোংফম তানলম্মে। কেগে নৈমরোল শকহেনবী লিক্লাই লিকথাং

অথোইবী ঙসি কোয়ৌ নোংদা কদেং ঐনা শাকা রাঙম তম্নলকপা পোংতপ য়াওরৌ শঙাইসে খোঙা ওইনা কংচরি" হায়রকপা কদেংগী য়াম্রাক্ত ত্তাবদা তোঙ্গু থম্মোয় পুবা ঙম্নক্রে। কদেংনা চংকদবগী মমাংদ ওম্নক্লবদা শোয় খাংতপতা হোল্লগা তোন্নুমা রাহৈ মতেক মাতক্লা পাউগুম পীরকই। "অঙম্বগী খোঙাসে মোমনু লাইবকচাউবী ঐগী পায়মা খোয়দাম্বরে। চিংঙু নোংদম খোম্না কনখিবনা অঙম্বগী মক্ষমদা মতিক চাবা য়াওবৌ শঙাঙ্গী কাউজ মমলদি পীবা ঙম্মোই-দৌরে। ঙসি ঐগী লৈজবা ইশাগী অশেঙবা ইরলদি কায়না মৈচাকা খব্দবদা থম্মোয় লকাদগী হৌরকপা নিংঙমদবা ঈহৌনা থুমহৎতুনা মিংলু নাপোম অনিদা শিন্থরিবা তরং লাইজ অসিতা মঙাইরে।" "চিঙ্গোয়নখিবা য়ারা অহুনা কেগে লৈমবোম্ল লুচিংবীগী মতিক চাবা য়ারানি, ঐনা পামজবস্থু মদুতনি" হায়রম্লগা খোঙকাপ কমজাউ হুন্দূনা কদেং খাঁঙশানখি। তোন্নুমা শঙাই অহুবু মথানুংদা চেংনা কোম্লগী হিক্লা হিক্ল কপ্তুনা কায়না মৈচাক খাংজখি।

চিংঙু থাংজীং লাইমাঙদা কেগে লৈবাক্কী অথৌ লিচা হেন্না থম্লাং কোন্দাই লোনবা ক্ষমদৌ হুক্ষুমরি, মোইরাংগী অঙম অথৌ ক্ষম্নাইবা স্থনা তিল্লে। মোইরাং লৈমগা লোয়ননা নিংথৌস্থ সনা খোঙলেংলক্লে। কদাং ঙারুংহন্নবনা ফারকপা লেমলৈ ঙারম চামা পৈরে, কদেং থাংজহনবনা ফারকপা য়াওরৌ শারম চামা থমলে, নিঙোল্লাকপনা থিরুবা শিঙেল লৈরম চানা চংবী মাতোন থক্লা লৈরাং পোমায় চোল্লে, পাখংলাকপনা হেক্লকপা তাউজিং হৈরম চামা থরাইথক্লা হৈখল নাইনা শন্দোক্লে, অতৈ পোৎলম চৈরম খিবিকস্থ চামা চামানা থুজিং ওইহুনা চিংঙু থুয়া-খাদা কংলক্লে। লৈবাক্কা অমাইবা হঞ্জবা হঞ্জবীনা খাবি শিংদা চল অমাই লায়ুম য়াহানা চিংঙু থাংজীং লাইমাঙদা শিঙেল লৈহল ক্তমহুনা চিংঙুনা খোয়দাবিযু খোয়ুম্না পেনরিযু হায়না লৈশি লৈথোন্দুনা থুয়া খাদা নিজরক্লে। কেগে পোক্পা শোয়ারেল মোইরাং ঙাকশেন্নবা লাইয়িংথৌ থাংজীং

কোন্দুম য়াইমরু মোইরাং লাংবুম অরিবা শম্বোং পুংমায় লেপ্পা সনা ক্ষ্মাল খেনগানবা মুংবী শিদবা খুনেংনবা মুংনাং নাদবর্ খুদানবা পামেল উথম্বাল নমণ্ডানবা পালোই তাবা মপুবেল খোয়ুম সনা নখোঙ খাদা খুংকাং চাংজৌ তবা লোম্নহুনা লৈবাক মীয়াম পুম্বা খুরম্নে। লৈবাক নিংথৌ য়াইফনবা পাম্ব মমোম পোক্লবা মোইরাং চাকহোং-ঙাহো নবা খুনজাউ লৈচাউনা পান্নবা অশোয় অঙাম য়াওদনা অরাং অপা লৈহনবিনু হায়না পুক্লিং অমত্তা ওইনা নীজরক্লে। চিংঙ্ থাংজীং লাইনা পেনবিবে, কায়বেল লৈমা লাইবেমবীসু মায়কোং মকা লাম্না হবাওবে। লৈবাক মীয়াম হরাওনরে, নিংথৌ পুক্লিং খোয়দারে. অঙম অথৌ পেন্নরে নুংঙাই ঙমখে লোম্নরে। কেগে কংলা উত্র' শঙলাংমৈদা ঙাহোং চাকহোংবদা অঙম অথৌ ফম্নাইবা সুনা তিল্লগা মদাইরেম অচামবা রুদেং থাংজহনবা উদরদা নিংথৌ পুক্লিং খোয়রাংলে, তোম্নু লাইজিংলেম্বী ইবেম্মসু পায়মা থুংদা লাতক্লরে।

বায়থুংনবা

কদেং থাংজহনবদি চিংঙ্ শায়ম কংলম্নগা লৈবাক্লী শাহোং ঙা-হোংবা য়াওদনা অরা মৈচাক থুংদা ফুম কায়না মৈশা লাংবনা তুম্বা চাবা চঙদনা মবানয়াইদা লেঙদনা লৈখ্রে। অরা মৈচাক খাঙবদা তুম্বা মচেং খাংবা চাবা মখাক নাইবনা নোংমা নোংমগী শামা পাঙ্গল ময়েং তাহুনা অনা লাইওং খঙদনা তৌরাং ফক্তা ওল, লুতুং খোইবাকশা হেদো নাহে চল্লে। মমিং পাংভি মঙাইরে কনাদসু য়েংদে, কনাবুসু উদে। মীনা ঙাঙবা শকপা তারবসু করিমন্তা খুমদে। অঙাওবা মীগা পাঙ্খক ওইবে অশিবা মীগী পান্দম লৌবে। লৈবাক্লী অখং অহৈ অমাইবা অমাইবীনা মানা মানা খঙজবা ঈরাং চখাম থাহুনা হিদাক লাংথক শেমহুনা লায়েংবদসু লাইওং লাইশক খঙদবনা অনাবা কবা ঙমদ্রে। কদেংগী অনা লাইওং অসি কৈয়োয় লৈকায় লানখিহুনা মপুগী সম নাকোং য়ৌরে, তোম্নু লাইজিংলেম্বীসু তারে।

নিংথৌনা অমাইবা হঙ্গবা থান্নক্লুনা লায়েংহনবদস্মু লাইওং খঙদবা লাইশক তাকক্ম ঙম্নদবনা লায়েংবা ঙমদহুনা হনখ্রে। কদাং ভারুং-হনবা অঙম্বনা তুম্বা চাবা চঙদনা অয়ুক নুংথিল মুংদাং খাক্তনা মতাউ কদেংবু ফমশেন্নরকলে। ময়ক ময়ক্তা মতাওনা খোমলেন মঙকাওনবগুম চোইরোন পারোনদা চিঙ্গোয়নবরকপা য়াম্বা মশানৌ ম:নম্মচাগী কোলোয় মিংলেনবু শোল্লকপা তাবদা পুকচেল তিংনা তিন্নবা পুক্লিং খঙনা লোয়নবা কদাংনা কদেংগী পায়মা নুংগী অরোনবা য়ারাবু লংলা লংজিন কংখি। তাবু নুংদা থুপচান্নবা খম্বা চরৈগুম পায়মা নুংদা থুপচান্নখিবা পুক্লিং য়াম্বা অরোনবা কেগে কনা তাহন্দনা পাথৌ কদেং মাগী মক্মদা তক্লুনা হংগে খল্লক্লে। ফমশেন্নবা মীস্মু তাম্নোকলে, অমাইবস্মু চঙহন্দরে, থোংজি নাতে শক্লা থিংলগা নাপ্পা চিক্লা হংক্লে। "পাথৌ ইবুঙো নুংশিবা! কেগে কনাগী মক্মদা পায়মা রাখল থুপচান্নরবস্মু তরা চাকলুক অমতদা চামিন্নখিবা কদাং ইফমদা পায়মা য়ারা ফিগৈ শেংবিদ্রবদি পাথৌ নমাঙদা শরি পন্দোল লোমজরিবা অসিনি হায়না চিংঙু থাংজীং লাইবু পন্দুনা রাশকপা তাবদা মমিৎ পাংঙু য়ারমদবা কদেংদো মমিৎ পাংথোরক্লুনা মতাউবু চিংনা য়েংলগা মিংলু নাপোম অনিদা অতৎপা লৈতবা পিরাং শিম্বরকলে। মতাউগী মতৌ উবদা কদাং মাস্মু মথরায় শোকত্র-বোই মিংলু ঈরা চেল্লকলে "পাথৌ" হায়না কৌমহুনা নুংশিরবা মরুপচা অনিদে চেংনা কোম্নহুনা কপমিন্নরে। ভাহাক কপমিন্নরগা য়াহৈ মভেক মতেক্লা পাথৌ ঐগী পায়মা নুংদা অরা খাম্বী মৈশা লাংলিবসে খঙবি উবিনবা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা পাথৌ নঙ নক্তনা কনাস্মু লৈত্রে চিঙ্গোয়নরম্লগা কদেং তুমিন্না লৈখ্রে। পায়মা য়ারা ফিগৈ শেংবিয়ু চিংঙু থাংজীং পনহুনা শরি পন্দোল লোমজ-থ্রবনি কদাং ইরানয়াইদা হল্লরোই, তরা চাকস্মু চায়রোই চিঙ্গোয়-নবরকপা মতাউগী অকনবা রাশকতু তাবদা কদেং পুকনুংদা কুমহুনা লোংতুনা খম্বা ঙম্নক্তে। মতাউবু চিংনা য়েংলগা "পাথৌগী নক্মদা

কৱয়া চিঙোয়মগনি। মিংনা পোংদ মিং নায়বা, খুংনা খিন্নে খুং নামুংবা মাকোং অনি ক্ষুমা ভাবা য়াদবা কেগে রাখোক ওইহুনা থগনু লাইদা থাবা য়বা য়াবানিনে পাথো।" মতাংও কদেং থাংজহন্নবনা খজিক্ক কাংখোবকপদা পুক্লিংগী অরোমবা য়াবানু মরেক শেংনা থউরা ঙম্বা লৌশিং শিনবা কদাংনি। ঐগী পায়মা রাখলনবু লাল্লগত্রা? রাকচিং থাগী থানিদ্দা চেক্লা কোংলোয় ভাবদা পোম্বী মশক উবদা পাখং পুক্কি ক্লুংওনবা, চেক্লা মানু লুংশি লাং থ ক্লুমা ফারগা পামজবা অক্লাদা পোকচবী চেক্লাব ওক্সি লৈবাক নিংথৌনি, কেগে লৈবাক লৈচাউনবনি থম্নহুনা পোম্বী মখোংদা পুনবা লুংশি কত্রং লংলাবু থদৎলগা চেক্লা মানু কাহুনা মলু কোন্দা পোকখিবী লৈমা কোন্দা চাক্কাহনখিবী পোথং চাদি ভুনামবী নশানৌ মমুংলাংগী নত্তুবরনে পাংথো! চৌক্লিক্ক পায়মা থুপচায়বিয়গনু চিংনা পইরে হনাবিরো য়ারা কিগে শে ববো মতাওগী য়ারাহু ভাবদা কদেং হিক্লা হিক্ক কপলকলে য়ারা মথাদি তাদয়ে। কদাং ইতিক্রি ওইদে ইপাদি চাংদ। অতুবু চিংঙ্গু থা জৌংনা চানবিহুনা কম্বিগুম্বা নশানৌ ননেম্মচা ত্রোনু লাইজিংলেম্বাবু লৈমশিংদগী লৈচাম্পেং, পাথোগী নাক্লা পুরকপদা পাথৌন হৈগী হৈমলনি, লৈগী লৈমননি পায়মা নুংদা চিংনগদবা, লৈরবদি নতাওগী শামা পাঙ্গল থোক্কে। পাথৌগী অরেপ্পা য়ারা অমতংদি খঙজনিংঙি"। মতাওগী য়ারাহু তারগা কদেং পাউখুম পীদনা তুমিন্না লৈথে, মিংলু নাপোম অনিদনি তংতনা পিয়াং খিন্থরক্লে। মতাওগী শিন্থবিবা পিয়াংবু তৈথোক্লগা কদাংনা মতাওবু চেৎনা কোল্লগা কপলকলে। কদেংনা মতাওবু চিংনা য়েংলগা চৈয়াং চানা থাকনি লৈবাং চিয়খাকনি পায়মা নুংদা চিংকবা নংচদে। শিক্লাই খুয়া থাদা লংলা লংজিন চিংথোকপা, কদেং ইমুং লাং শীদমক্লা লৈবাক রাখোক ওইবা শামজদে। হন্দকী মপোক অসিমদি চাদা তাউজিং হৈয়াংনা খোংবান থগা পংপগুম পংথ্রসনু পাথৈ হায়না কদেংনা মপুক্লিংগী য়ারাহু মকা লায়া কোংদোয়ক্লে। মতাওগী

য়ারাহৌ তায়রগা লিক্লাই খুয় থাদা চঙংতুনা মুংশি পরৈ থুপচান্নখিবা, য়েংনা লগবা পরৈ য়েংনা হন, ওইনা লয়বা পরৈবু ওইনা হল্লগা লিক্লাই লিকথাং ওইরিবী থোংনু লাইঙ্গিংলেম্বীবু লৈমাশিংদগী লৈচা শেংতুনা পাখোগী নাক্ত। পুরক্ত ভমদবা খোক্লে পাখোগীদমক্তা য়াইবী থবায় মাঙলবসু লাইবক চাং য়েংগে। মতাও কদাং ভারুংহনবগী অরেপ্পা য়ারাহু তাবদা কদেং তুমিন্না লৈখি।

কদেং থাংজহনবগী অনা য়াইওং খঙদবনা লায়েংবা ভমদহুনা রানরিবা পাউ অসি তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌ মথবায় য়ারে। কদেং মান্না কংলম্বা রাকং থাঙলেনগী নাকন্দা য়েক্লিবা শক্তমশিং অতু উবদা নিংথৌ রাখল চন্মনরে। মশানৌ লাইঙ্গিংলেম্বীদা উংপদসু থাঙলেন মাবু শংত্রিক য়েংলগা মুরা মিংলু নাপোমদা তরং লাইজ ঙাগৌবক্লে। লৈমাকোন্দা খোঙদারকপা কোয়রৌ নুমিৎ অতুদগী মুরা মাসু অরা মৈচাক মুংনাকুম, লৈচিলনা কুপ্পা থাজগুম মায়খোং মকা লান্না মুংঙাই চিনবাল য়াকা তন্নক্তবা লোইদাম থাবুম অহুম কাক্সিলক্লে মপু মাসু মুরা মকাদা চকপা লোইথেম্বা থায়ম লোইপোৎ থৌবগুম মুরা পূক্লিং অরোনবা পায়মা রাখল থুপচান্নবহু থৌ থৌহুনা হংলক-পদা কদেং মাগী মুংশি য়ারা মপাউবু অথাকপা লৈতনা ভমখোকলক্লে। রাকং থাঙলেন উবনে মশানৌ লাইঙ্গিংলেম্বীগী পূক্লিং য়ারাবু তাবনে নিংথৌ পায়মা খোয়রাংলে. চাকম থককম খঙদরে, তুম্বা হিপ্পা য়াদরে। মপু পায়মা উলগোইনুংদা রাখল লম্মুক্লহুনা লৈরিঙৈদা ভারুংহনবা অঙম্বনা চঙলক্লুনা মথু লৈদা তানা থুরুম্বী। নিংথৌনা কদাং ভারুং-হনবা য়েংলগা "কম্মু ইদাইরেম নহাক্ত আকপা মুংঙাইক্লে। নিংথৌ ঐগী ইকমদা ইদাইরেম কদেং থাংজহনবনা কংলম্বা রাকং থাঙলেন অস্থি য়েংলগা মতাও কদেংগী পায়মা নুংগী অথুপ্পা য়ারাবু শিংথৈ শেংঙু অচানবা", হায়রক্লে। রাকং থাঙলেনহু উবদা কদাং ভারুং-হনবসু রা মচেৎ অদমক্তা ভাভদনা মক্ত লুক্তুনা লৈরে। তাহাক রাখল তৌরগ, "মপু সনা নোংদম্নবিগনি ইনিংথৌ! পাথৌ কদেং থাংজহনবনা লিক্লাই খুয়াদা চামারক য়োল্লবসু কেগে লৈবাকী অরা অনা কয়াদা

শরুক য়াম্বন্নবা, ইনিংথৌগীদমক্ত য়াইবী মথন্নায় কৎথবা নদাইরেমনি থনবিহুনা লাল্লবা কাদস্থু ভাকপিগনিদো ইনিংথৌ" হায়না কদাং ভারুংহনবনা মপু খুযা শাদা হঙ্গৎচরে। পায়মা খৈনা মুংশিজবা মনাই কদেং থাংজহনবগী থল্লুবদা মপুগী উনবি পুক্লিং পেনবিরে। লৈবাক নিংথৌগী য়াইকনবা কেগে লৈবাক লৈচাভনবা মোইরাং ভাহোং চাকহোংনবা চিংঙ্ শারম চামা কৎচগে, ভমদ্রগা য়াওরো শাহুৎ শিন্দুনা কদেং য়াইবী থাজগে হায়না চিংঙ্ থাংজীং পন্দুনা শবি পন্দোল লোম্লগা য়াইবী খুবাক্তা হাপ্তুনা লমলেন তোরবুং লমজাউদা য়াওরো শারম চামা শাকা বাউম তম্বা শারুংহনবা মাগী মথৌনাবু কবন্না কাউগনি অঙম্বা হায়রক্লে। মপুংগী য়ারাহু তাবদা ইনিংথৌনা চানবিবা মুংশিবিবননি খুমজরকই ভারুংহনবস্থু। ইদাইরেম মানা কেগে কংলা উত্রা শঙলাংমৈদা শাহোং ভাহোংবা য়াওদনা কেগে কংলা থৌগারক্তবস্থু লোইদাম থাবুম অহুম ফাজিল্লক্লে। ইদাইরেম নঙনা ইবুথৌ থাংজীং লাইবু য়েংলগা চিঙ্গোয় নপাও শেংঙ্। কদেং মানা থুৎস্থু থাঙলেন ওইবিয়ু কৎলম্বা থাঙলেন অনি অসি অথৌবা মহুৎ শিন্দুনা থাঙলেন মরোল লোল্লি। নতাওগা পায়মা পুক্লিং লিতিম্লনা চান্নবা অঙম্বা নহাকনি। পায়মা মুংদা চিংনদনা থাঙলেন থাঙগী য়ারা শেংদোকউ। নিংথৌ ঐগী ইফমদগী ইদাইরেম মানা পাম্বা করিনো তাকপিরকলে। মপু মোইরাং নিংথৌনা তক্লুনা হংলক্লবদা থাঙহুনা লৈবা লোৎতুনা থম্বা য়ারক্লবদা ভারুংহনবা অঙম্বহু খুয়া খাদা মখুৎ লোম্নহুনা মরূলুক্লা হঙ্গৎলক্লে। "নদাইরেম কদেং থাংজহনবদি কোয়ো নোঙ্গানথগে উনবী পুক্লিং লেপথিবনা চাদা থক্লুনা থৌগং-নহুনা অয়াম থৌয়া"বা মৈচাক্লা য়াইবী হামথোইনগদবা মিরেল হাম-চৎনগদবা রাংলেন মতম ভাইদনা লৈরবনি। লৈবাকী অমাইবা অমাইবীনা লাইওং থঙদবনা 'থরাই লাইকন্নবদস্থু কদেংগী য়াইবী' কববা ভমলরোই ইনিংথৌ"। মদাইরেম ভারুংহনবগী য়ারাহু ভাবদা নিংথৌ মরূ লুক্লুনা লৈথ্রে, বদাংস্থু বা মখা তাবা ভগত্রে। মপু

শঙলেন মুংদা লৈরিবী মশাবি কায়ন মৈশা চাংলিবী লাইবকচাউবী তোম্বু লাইজিংলেম্বীদি মশাবি কদেংনা অরাবা মৈচাক · ফংলিবম্বু মসুংলাংগীনি. খল্লুবদা মুরা থম্বোয় পুবা ঙমত্রবোই মপু মনাইনা ঙাঙনব্বিবা রাকমহু লোম্না লুমহুনা তাবম্দগী ইকায় ইকি খঙদনা অক কস্তা রাখল তুংওইনহুনা মপুগী নাক্তা চংশিল্লগা খুয়া খাদা তুহুনা নোংলেন খোংবগুন কপলকলে। মুরাগী মত্তৌ উবদা মপু মাসু ঙব্রবোই কেগে লৈমম্বোল্ লুচিংবী পায়মা য়ারা করিংনা, চিংমা পরৈ লৈতনা চিনবান য়াকা তমজৌ তাকপিবক্রে মপুনা। "কেগে কনানা মোইরাং কনানা লৈবাক য়ারাবু লুনা খল মদোম য়ারাবু লায়না খল, কেগে লৈবাক লৈচাউনবা মোইরাং ঙাহোং চাকহোংনবা লৈবাক নিংথৌ য়াউকনবা চিংঙু লাইপাউ কোক্তা থোং মপু য়াথং নমদাপো, য়াওরৌ শারম খিহুনা চিংঙু থাংজীদা কংখিবা নদাইরেমনি খনবিহুনা য়োল্লবদা ঙাকপিয়ু লাল্লবদা কনবিয়ু ইনিংথৌ। লাইজিংলেম্বী ঐহাক্তা অরা মৈ-চাক মুংদাফুম কায়না মৈশা লাংহুনা কপসি কপঙমদা নোকসি নোকঙমদা কপুশিন্না মোকশিন্না বাদশিন্ন নুংঙাইশা লিক্লাই লিকথাং ওই, লৈমা শিংদা চন্দুনা শম্নাং খুবৌয়েং অরা তুরৈ চল্লিবসি অথেবা মসুং-লাংগীনি" হায়দোরকলে খৌনা কনা তোম্বুদো। তোম্বু লাইজিংলেম্বীগী পায়মা নুংগী থুপচান্নবা মপুক্লিংগী য়ারাহু তাবদা কদাং ঙাক্লংহনবা লুত্তোন শাংল্লে, নিংথৌসু ঙকচান্নহুনা তোম্বুবু শংত্রিক য়েংহুনা লৈবে। কনা অমত্তা রা-মখা তানবা ঙম্নরে, শিংলম্বা মালং মুংশিং কাওবা লেপখ্রে, খোংলম্বা পোম্বী চেক্লাগী মখোলসু তাখিত্রে মফমহু উন াইমুক চিকখ্রে। পুকচেল· চাউবা নিংথৌদো রাংলেন মিকুপ খবা রেৎ-তরা থোক্লা রাখল তৌরুরগা মশানৌ তোম্বু লাইজিংলেম্বীগী খুংজেং শায়হুনা ·চিংখৎলে, মুরা মাদি কিজবনা থক-থক নিকলে। মোম্নহু লাইবকচাউবী পায়মা রাখল খেমবী ওইবনা হায়রৈদবা রানা মাঙওইনা হায়প্দবা য়ারানা· তুংওইনা মপু খুয়া খাদা জখিবা অয়োল অয়ানল খিবিকপু ননাইনি খনবিহুনা অয়ানবা খিবিক

ঙাকপিয়ু ঈনিংথৌ" হায়জরকলে লাইজিংলেম্বীনা। মশামৌ মায়থোং চিংনা য়েং. 'কেগে লৈমরোল লুচিংবী. লাইবকচাউবী নহাকপু লৈমশাং-দগী লৈচাশেং হৈদাইরেম কদেং থাংজহনবগী মগাইদা থাম্বনি।' নুরা নম্বুংলাংগীদমক্তা তৌরাং মক্তা ওলা; লুতুং খোইবাকশা, হেদো নাহে চন্দূনা চাদ থক্রবনা অরা শোর শাবোংলোন শিবা মচেং খাংনা লৈরিবা নশাবি কদেং থাংজহনববু অনা থরাই লাইকম্রহুনা য়াইবী মথম্বায় কল্লুরো। ঙসি কোরৌ নোংদা লাইজিংলেম্বী নহাকপু ইমোম শক্লা অঙং অঙন তমহনা ইদাইরেম কদেং থাংজহনবদা থাজরবনি। নুরাগী পায়মা মুংদা চিংনবগী ঈথক ঈপোম লাংলগনু নিংবৌ ঐগী য়াথংনি" ভাকপিরকলে মপুনা। চানবিহৈবা মপুগী মুংশিবিবা ময়াথং তাবদা থোক্ল কপতুনা মপু খুয়া থাদা অমুক তুরে। "ননাই লাই-জিংলেম্বীদি লৈমশাংদা চল্লবা তাউজিং হৈরা পনখিবা হৈরাং মমি তমখিবা লোহদাম থাবুম অহুম কারকলে। মপুগী সনা লিক্লাং পরেংদগী চোইখিবা সনা লিকলু অসিবু কয়া য়াংদৌ লম্মখাংদা ম ঙহল্লসিগে। সনা খুয়া থাদা লংজখিবা ইম্বান বিবিকপু ঙাকপিহনা মপুগী নাক্তা লেঙদনা থম্বিয়ু, লিক্লাই লিকথাং ওইহনবিয়ু ইম্নিংথৌ" হঙংলকপা তোনুগী য়ারাহু তাবদা মপু মানা পেনবিরে। "লৈমরোল লাইবকচাউবী ! পায়মা মুংদা করিগী চিংনম্বিবনো ? সনা ঈনা ঈহুল তম মোমহু ঈনা ঈপাললাং, লিক্লাংলক্তগী চোইখিবা সনা লিকলু অহেনবা খাংঙু থক্তা মাঙকরোই। মুরা নঙনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লু। কেগে লৈবাক থঙনা হৈদাইরেম কদেংগী রাকৎ থাঙ-লেন্না কেগে কংলা য়ুম্বীদা কাউদ উব্বাই থম্বা থাঙকম অহুম হক্লগনি" হায়না মপু খাম্বং ভাকপিরে। চানবিহৈবা মপুগী মুংশিবিবা ময়াথংবু নুরাগী লুরেন কোক্তা থোংনা মক লুক্লা য়াজখি। কদাং ভাক্লংহনবা মাম্নু মথুংদা কোরৌ নোংমদোল কংবগুম হয়াঙনা মপু খুয়া থাদা কোংয়াং রাপ্ন ম তাবগুম খুরুমজখি। কেগে নোংখোম্বা, ওকচিললাকপা তোলোমখোম্বা অঙম অথৌ ময়ামবু কৌরকলগা কেগে লৈবাক মীমাঙদা

ক দা খুঙ্গীদা থাঙকুম অহুম হুক্লুনা-কান্দ্রদ উবাই থম্মু হায়না মপু ম্নয়া য়াথং পীরক্লে।

কুদাং ঙাক্লংহনখ্র অঙ্কনা ম্ভোনু-লাইঙ্গিংলেম্বীবু পুরক্লগা মতাও কপ্লেং থাংজহনব্রদা শিন্নরে। চাদ শঙ্ক মক্লুনা চরম ফুঙ্গরা, চাইরুং ময়্যেং তারবা, খুরোম শিংক্লি ক্যারবা, ম্নেংবদা শকফুম কায়রবা মশা-বিগী খুংশি চেংলো শক্তম উবদা লৈমম্মোল্ল লাইবকচাউবী ইবেম্মা থাবা ওমক্লবোই চুঙশিন্দুনা মশাবিগী মুখোং কোল্লগা ইকায় ইক্লি বাংমা লাম্না ন্নোং খোবগুম কুপল্লকুল্লে। মশানৌ মনেম্মচাগী নুংশি য়ারা মপাউ তাবগা উইশিন্দুনতা লৈগ্রবা কুদেংগী মমিং অনিত্তু পাংথোবক্লুনা মশানৌগী চেংলো নুংশিরা নিংকম হোংদনা ম্নেংজবদা মিহলু নাপোম অনিদো পিরাংনা থুমেহুংখিবনা ময়েক শোংনা উবা লংল্লে, বাস্থু ঙাওবা ওমল্লে। নুরাগী মখুং তনৌবী থাউদল্ল মানবী তথোংক্লী মথুংক্লুনা মশাবিগী মায়থোং নানরিরে, শিঙ্করকপা পিরাংম্মু লৈতথোকপিরে। মখুংমক্লা লাইজ ঈশিং পীথক্লুনা খোরাংবা কোকহুল্লে।. মখুংনা থোংবা তরা লুকোই চহুম ক্লাব — তারগা ইনবিরে। পলেম মমা ওইবীমা নুংশিরবা, মপারিবু ফৈরা থক্তা পয়গা নুংশিরা তরা চাক ইনবিহনা নাউয়োকপগুম অমুক নুংথিল নুংদাং য়াক্লুনা মশাবিবু কমশেমহনা থরাই লাইকম্মরকুলে। মক্লারিগী নুংঙাইনবতা থমবদা মুক্তা ইনেম-মচাদো চাগনি থকনি কাউমে, অদীং মীশেল কল্প থাওজরে। চিংঙ থাংজীং লোংদমখোলমা থাংজহনবদো নোংমা নোংমগী কবথংলক্লে, কম্মা চংপা ওম্মল্লে। পাউ অমি-ত'বদা মপু মোইরাং নিংথৌক্তু নুংঙাইরে, লৈরাক মীয়ামস্থু হরাওনরে। লাইঙ্গিংলাকপা লাইজিং-পাক্লগী পলেম পক্লেজ অনিস্থু মমোমগী-মতেঙ পাংহনা লৈরে। অমম্মা-নোংমা নোংমা য়ৌথিবনা মোইরাম থাকুম কাজিলক্লে। শামা পাঙ্গল ময়েং ঙাক্লবা খুদেং থাংজহনবা-পাঙ্গল মপুং ফারকলে, কেগে কংশা, থোংগাবা ওম্মল্লে। 'মোইরাং থাঙ্গী থৈবকায়দা লৈবক মঙাউ ঙাক্লংহনমস্থ খুনথা চমু শমকন্তীবু লৈবাক থঙনা হায়না খুইংবহনা।

লুহোংলে। লাইজ ঈচেলগুম লেম্না লৈতবা রাংলৈন মতমদি, ঙসি ঙসি হৌখিবনা লোইদাম থাবুম কায়রক্লে,—থাশিং কম্না হৌরক্লে ল'হৈ কুম ওল্লক্লে। সনা ঈনা ঈহুল ওম মোমদু ঈনা ঈপাল লাংখিবী লাইজিংলেম্বী ইবেম্মা থাবুম ওম্না ওবদা তাউজিং হৈমুল কাহুনা মপারি অমা ফংজবদা তোম্নু ওমথৈ লৈতনা মুংঙাইজরে। মপারি কোলোয় মিংলেনবু উন্না-নহা খোংজোম্বা মিংথোল্লে। পলেম পম্বৌ অনিনা মপারি মাবু মুংশিনা নাউয়োক নাউকোন্দুনা য়োক্লকপনা চেন চোংহুনা শান্নবা ওমজরে। মতাও কদাং ঙাক্লংহনবসু মমোম লাংলেন অমা শাংলে, মুবা কোলোয়না পিদোংনু মিংথোল্লে। পাথৌ মরূপ চান্নবা অনিদো মপারি মমোম ফংজরবদা মুংঙাইনয়ে।

কদেং থাংজহনবা অওম্বদি য়ামজেম লাইবকথৈবনা মপারিবু পাঙ্গল শায়েপ ফানা নাউয়োক নাউকোন্নু তমজবোই, মনুং মতম চাদম্না অনা লোইপোং ফাহুনা, তৌরাং শক্তা ওন্দুনা থরাই লাইকম্নবা হৌরকলে। লৈবাক্কী অমাইবা অমাইবী চঙহুনা লাইকম্নবদা লাইথাই তাবা ওম্মদরে। চিংঙু থুয়া থাদা লৈরাং লৈহুল তমহুনা তাউজিং হৈরুক কাহুনা তায়জবদসু থোযুম মানা চানবিক্লে। তোম্নু লাইজিং-লেম্বীগী খোমজেন মঙলানচান্দা মশাবি কদেংগী অনা লাইওংবু মঙকাওনবদা মশাবিগী য়াইবী থরায় কনবা ওয়্যরোই থঙলবদা লাইবকচাউবী ইবেম্মা লোম্না কম্না হৌরক্লে। অমাইবা অমাইবীনা ভুমিং লেপলকপা অশি থোংজিন লামশিনগদবা বাংলেন মতম ঙাইহনা লৈয়ে। কদেং থাংজহনবনা মতাও কদাং ঙাক্লংহনবা কৌবগা মপারি মাউবা চাউত্রিবা খোংজোম্ববু শমু থুজেং পায়হনা শিন্নরে। মপারি শক্তং মাংকোনবিয়ু পাঙ্গল শায়েপ কায়গী পাগী পায়েপ য়োহনবিন্নু চিঙ্গোয় পাওমেন্নয়ে। মশানৌ লাইজিংলেম্বীগী মুংশি চেংলৌ মায়থোংদু মিংকম হোংদনা য়েংলম্নগা কদেং থাংজহনবদি খোমলেন শাংনা, মাতারে অয়োম্নবা য়াহিপ ডাক্লখ্রে। অমল থরৈ চন্নবা লতু মতুপকুম মালেম থক্তা, লোংনা তারিবা মশাবিগী শমু

হকচাং অমনবহ্ চেৎনাকোল্লগা লাইবকচাউবী ইবেম্মা কোম্মৌ নোংজেন নোংনা গোংবগুম কপলকলে তিল্লিবা মীয়ামস্মু তোম্বুগী 'মতৌ উবদা কপনদবা য়াওব্রে। পাউ অসি তাবদা মপু মোইরাং নিংথৌ লৈংলক্লে, লৈবাক্কী অগুম অথৌ কম্লাইবা পৃম্নমকস্মু থুংলরে, থম্মোয় শোক্লা অরাবা কোংদোক্লরে।

উরা নহা খোংজোম্বা-পিদোংনু

শাইদাংবা

পুম্বিংলাই লাইজিংথু পুমশিংবগী সনা মহাক থক্লা কেগে লৈবাক্কী কম্লাইবা নিংথৌগী মদাইয়েম অচানবা কেগে শারুংহনবা অথৌবা কদেং থাংজহনবনা মন্নুং মতম চাদনা কোব্রী নোঙ্গানথ্রবদা মোমন্নু লাইবকচাউবী তোম্বু লাইজিংলেম্বীন মপাৎবি নাউরা চাউক্লিবা উরা নহা খোংজোম্বিহ্ মথাদা কোল্লগা হিরা হিক্লা কপ্পুনা অরা মৈচাক থাংহনা রানা পুন্সি লেংলকলে। শাইগুনগী রাবী তাম্নিবী রাইন্নু মোরী খোদনবীস্মু লাইজিংলেম্বী মানা য়ারিবহ্ থল্লুবদা অরাবা শরুক য়াহনা মপাম্বি অঙ্গোতোমনু কোল্লগা থম্মোয় শোক্লা হিক্লা হিক্লা কপচরকই। মশানৌগী মওং মতৌহ্ উবদা রাবী লীম্বিবা রাইন্নু লাবা কদনবস্মু মিংলু পিম্নাং ঈহৌনা মখংনৌ চেংলৌ চিংনা য়েংলগা পুকমেন শাওমেম্নবিম্নকলে। নোংদম্বা মাগী খুজিল থৌরাংবু তাইবং কনানা খঙবা ওমগনি। ওসি শিনি পাউতাক্কবা হয়েং শিনি পাউজেন্দবা থম্না লাকৌন লুরোই 'থক্লা লাইজ লিক্লানা লৈবগুম পুন্সি ইমাল লৈনা খৌবি মরাক চায়ক্লবদা লিক্লাগুম্বা পুন্সিস্মু তাইবং ঈপাক্লা তিনগনি। ইপারি অঙ্গোতোম্না পাঙ্গল শারেপ কাক্লি কাওবা পালেম পহৌ ওইবা ঐখোয়স্মু মাউয়োক 'নাউকোমবা ওম্নবা' চিংগু খোম্বুম নোংদম্বদা পুন্সি মুংথাংমবা নিজসি।' অস্তুম্না রাংশেন ওাইহাক

অরাবা থরক য়াকুরগা বাইহু ঙারা কদনবকা মগ্রানৌই মরুপদা চৈথ নহা খোংজোমা। লিদোংত্র শাকি মানৌ অনিরী ফংশি শাইওন মমিগী মুখা মনা লৌখিরকই। থুডিংমক্তা পুন্সিবগী হাকক কেগে মোইরাং লৈবক্তা লাইবকচাউবী তোম্ব লাইখুৎলকপীনা মপাকি মাঙবা চাঙখ্রবা খোংজোমহু কেগে কনা খওহন্দ মোইরাং কনা উহন্দ চেকশিনা নাউয়োক নাউকোন্দুনা লৈখি। কল্লক খগ্গস চাউবা কেগে কনাগুম্বগী কত্ত খুজিল খোয়াংদগী পাসল শারেপ কাত্রিবা মপারিবু খাংঙ্ থক্তা থাইবী মথরায় মাঙখিগন্ত্রা পায়মা মুংদা চিংনুবদগী থরাই থোঙ্গাল লাম্থোকহন্দে। তাইবং কম্বাক থক্তা শাইওন লিলা মপুং ফানবা খোরাংলিবা চিংঙ্ থাংজীং মাগী খৌশিল খোমুম মাগী নোংদমখোলবু নুমু তাইবং কুনানা খুঙবা উবা ঙমগনি। প্রাপ্তৌ মরুপ চানরম্বা ঙাংশিনরম্বা কদাং ঙাকংহনবা অঙবস্থ লৈবাকী খোমনা কননিবনা নুতাও কদেংনা থমন্নুং শারা তাল্লমদাইদা শিন্নরম্বা, লাইফিংলেম্বী খোংজোম্বা মমা মচাবু নোংম নোংমগী কাউশিন্নকলে। মপু মোইরাং নিংথৌনস্থ মদাইরেম কদেং থাংজহনববু নীংশিংখিরে। লিক্লাই লিকথাং ওইরম্বী লৈমশীংদগী লৈচা শেংখিবী তোম্বু লাইফিংলেম্বী কওবা কাওখ্রে। কৈরোয় লৈকায়গী মচেম মনেমশিংনস্থ মমা মচাবু হিংলিত্রা শিথ্রববা থনখিরে। অস্থমা নোংমা নোংমা হৌখিবনা চহী কুমজা কয়া হৌখ্রে। অঙাং নাউরা ওইরম্ব। খোংজোম্বা মহাকস্থ চহী তরেৎ মপুং ফাবক্লবদা মানবি ঘনশেল ঘনঙাক ঙম্লক্লে। কেগে লৈকায় লামা কোয়না চংতুনা মমান্নবগা চেল চোংজন্না শাম্নবা ঙম্লক্লবা ফাওবদা পল্লেম মমা লাইফিংলেম্নীনা মপারি খোংকোয়ম্ববু থরাই থোঙ্গাল লানহনদে, কেগে পনরাম থোহনদে। মপু মোইরাং নিংথৌনা লৈবাক্তী অঙম অথৌ কম্বাইবশিংগা মমা মচাবু কাউনরক্লবা কাংখুল লৌখুস মাঙশিল্লক্লবদা অম্রম্বদা খোদাম্বা অক্ত ক্লবদ্ব থাম্নেনবা চিংঙ্ থাংজীং লাইরেনা নিংথৌগী খোমলেন মঙ্গ্রানচাম্লা মঙম্বা ওনথক্লে। কেগে মোইরাং লৈচাউনবা ফুংচাই থাইবী মমাং কায়ললা নিংথৌ

ঈচিশাংবু মুত্থনবা কেগে বম্বাল কাবা য়াবা মৈনা রাই তাংনা শম্না খিংথৌ খুভম শিন্নবা কেগে ত্রিলখি লাইখিবগা পারি শক্লা নাউকোল্লু চাংবা চিংঙ, লাইপাউবু খোয়ুম মঙকাওনবক্রবদা নিংথৌনা কৈবাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবা পুম্নমকপু কৌখংলগা কেগে কংলাদা লোম্না নাম্না চিক্না রাভাম্নরক্লে। নোংথোনবা ওকচিল্লাকপা, তেলেংমখোম্বা, কদাং ঙাক্লংহনবা মপুগী খৌদাপুবা অঙম্বশিংনা সনা ঈ অশেংবা নিংথৌ খুভম শিম্নবা য়াবা কেগে কম্বাল তোংবদা মতিক মাপা চাবা লৈববা লোম্না মী থাত্থনা কেগে লৈকায় শীনবা থুংনা খিবা হৌরকলে। মপু সনা নাক্না খৌজাল ফংলিবা লোইশঙমচা অমনা অহীংদা চেল্লক্লগা লাইজিংলেম্বীদা লোম্না পাউ পীরম্লে। অরোনবা পাউসি তাবদা মীপাইচাউবা লাইজিংলেম্বীনা পাঙ্গল শারেপ ফাত্রবা মপারি খোং-জোম্ববু কেগে কল্লক চাউবা মোইরাং মীহৌ কনবা মীরক্না লৈরবদি নিংথৌ খুভম পাম্বা অঙম অথৌ কনাগুম্বনা মপারিবু থাংঙু থক্লা য়াইবী থরাঙ্গ লৌবিখিগত্রা পায়মা নুংদা চিংনরক্লে। মপামলমদম ন্থংশিবী কেগে লৈবাক তুংওইনরগা লোইবী চীংদা শাইদাংহুনা মপারি চাউনবা য়োকলুগে খন্দুনা মমা মচা অনিদো অহীং তাংলো অখেংবদা মী পোং কনা অমত্তা খঙহন্দনা ময়ুমদগী থোরকলে। তাংলো রায়না খে-ল্লক্লবা মীচিক মীরাউখোল তানখিত্রবা মতমসিদা লাইজিংলেম্বীনা মপারি খোংজোম্ববু পুবগা লবুক লমচাং শমহুনা লোইবী চীংশাং তাম্না চেল্লিবহু চিংঙ থাংজীংনা উরিবহুনা মশানৌ অয়াং লৈমা পাম্হোইবীদা মমা মচাবু তেংবাংবিরুচো খৌদাখি। তু-খোং লান্দুনা উমং-ম্বামং শমহুনা নারক মোংশোং ফাওহুনা লাকপদা য়াওরৌ শায়াম খেংনগনি. তিলমু লাইমু ফত্তবা উম্নগনি খন্দবা চেল্লিবা মমা মচাবু অয়াং লৈমা পাম্হোইবীনা লমজিং লমতাকপিম্নকই। কেগে কনাগুম্বনা খঙখি উথিবা য়াওম্নগা য়াংলৈ তাউবা হুইনা মানবি খোঙ্গুল লীবগুম মমা মচাবু খিম্নকত্রা খল্লুবদা পুম্নাগী পুক্লিংদা রাজখি। অস্থুম্না মমা মচানা অহীং চুম্না লৈপ্তুনা চেল্লকপন, মহৌ চীংগী পম্হোং ঈশিংখোং

মন্নাক ঙৈরবদা ইনুং মমৈ রাম্নখিদুনা শজিক মশোং কাংলকপ্লে। মহৌ কাওরৈ য়েনবানা পামেল শম্নি নক্কা তোঙ্গলগা ক্রে ক ক্রে য় কৈবকপা কাওরৈ য়েনখোং তাবদা মহৌ লোইবী হাওয়ম্বা চহীগী কুমওন হয়াংনগী শরেল চন্নবা য়াওরৌ শাদাম্বা থ্বোনকপদা য়েংনদুনা মমা মচাবু লোইবী প্লেম্বোংদা কাবিরে। লোইবী হাওয়াম্বা মপারি খোংজোম্বু কাববদা তোন্নুনা হাওয়ামদা তৌরিগনু মপারি পোকপা নখোয়নি নমোম শাংনবিরা ঙাক্তনি নবুক থোক্কী নচাগুম্বা পুংশি-খিদুনা পাংবিগী য়াইবী কনবিয়ু হায়জবনু হাওয়াম্বা থওইনা তাবিখিদে। মীওংশি থঙদবা লোইবী হাওয়াম্বা পলেম মমা লাইখিংলৈম্বীবু ইম্বুদুনা থনম্নগা মপাবি খোংজোম্ববু পুদুনা হুয়েল লানথম্বা য়াওবৌ শাফা ওম্বগী শালাউ লানলাউখোলগুম হবাওনা লাউব লাউরদুনা হরাওপুং তান্না পুখি। মোমনু লাইবকচাউবী তোন্নুনা কপ কপ্পুনা মপাম্বিগী মুচুং ইন্না তান্নরকই।

লোইবী মহৌ চীংগী চীংথক লৈতেম মান্নবা থেল হরাওপুংদা মহৌ নিংথৌ লাম্থোবাংবনা মবোই হাওয়ামশিংগা লোয়ননা কমদুনা মমাওদা মখল মথেল নাইনা পৈরিবা অচা-অথক ময়ামদু মবুক থম্না চা-থক্কুনা হাও পাখং লৈশাবী মযাম্না জগোয় শাবা ঈশৈ শকপা, তা খোশাবা য়েংলিউদা হাও পাখং মন্নিনা খোংজোম্বনু মখোং মখুং পায়দুনা পুশিল্লকই। খোংজোম্বনা পলেম মমা কৌদুনা কপ লাউবা, মপান্দনা মমা তোন্নুনা তেংথা নাউরোইবদু তাবদা মহৌ নিংথৌনা মপান্দা কাদুনা থগ্নিবা হাওয়ামদা মমাদু থাজিল্ললকউ থৌদারকই। চরৈ মনজুনবা শেংগী মায়থাংনা লৈনালক্কা লোৎতুনা শাংগী কেতুকী লৈরাংগুম্বী নুরা চেংলৌ শকহেনবী মমা অদু উবদা মহৌ নিংথৌ ল থোয়াংবদু মমিৎ কুপতনা মুম্না য়েংই। মচাগী নাক্না চেমশিল্লকপদা হাওয়াম মরক্তা কমলিবা মহৌ নিংথৌ উবদা ঙক্কুনা তোম্ম চপ লেপ্লি। অমুক উপ্রবা শকফমনি থল্লবসু থুদক্তা নীংশিংবদি থোক্তুনা মনাক্তু চওশিল্লগা "পাম্থো মানবা লোইবী নিংথৌ! মোইরাং চন্নু লায়রবী

মমমম লাইবকচাউবীনা পারিগী য়াইবী থরায়বু চরে কিপাউ শানা নিজগে হায়রকপগ তোমগী মশক চিঙ্গোয়নরকপা য়ারা মপাউ তাবদা মহৌ নিংথৌ ঙকপদা নত্তমা পায়মা মুংদা চিংনরে। অমুক উথ্রবা শককম ওইরবগু মতম কুইথিবনা খুদক্তা মুরা মাবু নীংশিংবদি থোক-ক্লে, রাখলনা খাম্বু-কংদয়ে হংসি হংঙমদে হায়সি হায়ঙমদে মতোমতা চম্মনদুনা লৈরে। তোমু মাবদি লাম্থোয়াংববু উবদা মপাখি কদেংগা পাথৌ মরুপচা মুংশিননা চারবা, চক্পী কুমজা খুদিংগী মোইরাং নিংথৌদা লোইপোৎ কাবা লাকপদা মখাদি কদেংগী শরুক তম্নকপা লোইবী নিংথৌমি খুদক্তা নীংশিংলক্লে। "নমোদ লাইবক চাউবী ঐবু মুংশি-খিরবসু কোরৌ মোঙ্গানথ্রবা য়ামক্তেম মৈরা মুৎথ্রবা পন্থৌ মাগী মপাম্মি পাঙল শারেপ কাম্রিবা পারিগী য়াইবী থরায় কনবিযু" হায়জরকলে। তোমুগী য়ারাদু তাবদা লাম্থোয়াংবা পায়মা মুংদা চিংনবা হেনজংলক্লে। ইমোম নওগী য়ারা অসিবু অহল ওইরবা লাম্থোয়াংবা ঐদি খুদক্তা নীংশিংবা থোক্তে, ইচিলসিনা হায়দোকপাসু ঙমক্রে। ইমোম নহাকপু কেগে অঙম্বা মোইরাং অথৌবা কনাগী তালোয়নো কোলায় নম্মিংবা করি কৌবগে পায়মা মুংদা চিংনদবা য়ারা কিগে লেংঙ, ইপাদা হংবিরকলে মহৌ নিংথৌনা। পন্থৌগী পায়মা মুংদা অকাউ পৈরেম্নবিরব্রা? মুজা ওইবী ঐসে কেগে অথৌবা কদেং থাংজহনবগী তালোয়নি কোলায় চমিংনা তোমু ল ইজিংলেম্বী কৌই হায়রকপা তোমুগী য়ারাদু তাবদা লাম্থোয়া বা চিংনবা কোক্লে। ইমোম নওবু কেগে লৈমরোল লুচিংবী লৈমাশীংদগী লৈচা শেৎখিবী তোমু লাইজিংলেম্বীনি খওবুক্রে ইপাদি কাউরুরে ইপাবু রাক্লৌগনুকো হায়রমগা চঙখিন্দুনা খোংজোম্বু কোনথংলগা মথাদা চেংনা কোনশিল্লে। পাদ্রি কদেং থাংজহনবগী কৌদি চারানি ইপাদি খওদরে কায়না মিংকু নাপোম অনিদা পিরাং শিন্থরকলে, মখোল থোক্লা কপলকলে। তোমু মাসু হরাও নুংঙাই য়ায়বিকুনা পিরাং তাখিবা খঙখিদে। ' মহৌ নিংথৌনা কেইশিবা থৌগাক হাউই কুনাক চংশিন্দুনা মারা পুকক্লেন

পাওমেম্নরগা মমা মচা অনি, লোইবী নিংথৌ মাগী মরূনরাই তাম্না পুন্নকলে। অচা অথক কয়ামুক লাংডুনা মমা মচাবু মবুক থম্না পীজরে। "ইমোম শকপী নহাক্না নয়ুম কেগে মোইরাং লৈবাক থাদোক্তুনা অহীং জাংলো অথেংবদা নপাব্রি পুন্থুনা ইপাগী ইশাইকোন্দ। লাকপবু কেগে লৈবাকী অওম্বনা মোইরাং নিংথৌ খওহন্দনা ইমোমবু কনা লৈতে খন্দুনা লাকচা খুঙুম চনব্রা? নক্সগা ইপাগী নাক্ক লৈত-লায়ব থিবা লাকপ্রা. য়ারা নপাউ-শেংভু ইপান্দা হংবিরক্লেশ মহৌ নিংথৌগী লুংশিবিবা য়াবাহ্র তাবদা তোম্নু মথরায় লুংঙাইজৈ। "পাম্বৌ শকপা কেগে মোইরাং কনানম্নু নমোমবু লাকচা খুঙুম চনবা লৈতেদো। লৈবাক নিংথৌনা সনা ঈ অশেংবা, কেগে ফম্বাল কাবা য়াবা থিরক্লদা কেগে কন্নক চাউবা মোইরাং মীহৌ কনবনা পারি শারেপ শাক্তিঙৈ পাগী পারেপ য়ৌক্তিঙৈদা য়াংদৌ লম্মখাংদা পারি য়াইবী মাওপজ্ঞা পায়মা লুংদা চিংনজহুনা চহী কুমজা খরদং কেগে কনা খঙহন্দ মোইরাং কনা উহন্দনা ইপাগী লোইবী নশাইকোন্দা শাইদাংহুনা পারি শারেপ ফানবা য়োকচগে লাকচবনি' খুম্নকই। তোনুগী য়াব্রাহ্ন তাবদা লাম্থৌ-য়াংবা হরাও লুংঙাই মীনোক্না থাগা থাক্না নোকচৈ। "ইমোম করিগী চিংনা ঈথক ঈপোম লাংশিবনো? মপাগী নাক্ত মমোম্না লাকপবু ইপানা কব্রি হায়গনি। ইপাগী নাক্তা কৈরিঙৈদা কেগে মোইরাং কনানম্নু নপারিগী তুবুম নামা শোকপা ওমলে ইদো। নপারিনা মথেক্ত ফাক্রিবা শামা পাঙ্গল চাউক্তি ফাওবা ইপাগী লোইবী ইশাইকোনশি মোংবা নরানয়াইনি খন্দুম নমীং নখা তম্না শেংনিংবদা শেং চানিংবা চাহুনা লুংঙাই য়াইবী মরাং কাযনা লৈয়ু" ভাকপিরে। মহৌ নিংথৌনা মরোই হাওয়ামদা থৌদাহুনা মমা মচাগী লৈনবা অহনবা য়ুম অমা শাবিরে। তোম্নু লাইজিংলেম্বীনা মহৌ নিংথৌগী মতেঙ লৌহুনা মপার্ক খোংজোম্বু লোক্তবী চীংদা নাউয়োক নাউকে ন্দুনা লৈরি।

অগোমদা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা চিংঙু থাংজীং লাইপাউ মতুংইন্না অওম অথৌ কম্নাইবা পুম্নমক্না নিংথৌগী মহুৎ মবেং শিন্দুনা

কেগে কম্বাল কাবা য়াবা সনা ঈ অশেংবা খিবনা কেগে থুম্বক থুনখা মোইরাং লৈকায় শীনবা থুংখ্রে। লোয়্না খিরম্বদগী খঙলক্রুবদা য়ুমথোং য়েহনা-খুঙ্গং লৈকায় থুংনা চঙহনা খিবদা খিবা কংদয়ে। কেগে ভাংলৌ লৈকায়দা লৈরম্বা কদেং থাংজহনবগী মপারি খোংজোম্ববু নীংশিংলক্লুনা লৈবাক চঙবা খিনবদা মমা মচা খিবা কংখিদে, কাংখুল লিখুল মথুঙত্র। মপু মোইরাং নিংথৌ লাইজিংখু পুনশিবনা অহল মতম ওইশিল্লক্রুবদা কেগে কম্বাল শিম্নবা য়াবা মতিক চাবা মীওই খিবা কংলক্রুবদা লৈবাক নিংথৌ রানয়ে। নৌনা কেগে লোইশঙ কাবা খোমদোন শেলুংবসি নহা ওইরবস্তু নিংথৌ পুক্লিং য়ুমদিম্নবা মপুনা চানবা মনাইনি। মহাক্কী মশক মতৌ চঙখোনবা মরৌশিং মথোনা লৈবা রাভাং শাভাংদা মী খোনবা মওং মতৌহু উবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা হুংশিনা চান্না থমজবা পাখংনি। লৈবাক্কী অঙল অথৌ কন্নাইবা খিবিক্কা তাম্নরগা মপারি শকুা লাঙান্দুনা কেগে লৈবাক্কী রাঙ্গোন নিংথৌ হাপলসি লেপনয়ে। খোমদোন শেলুংববু নিজ্রাম হায়না কোন্লোয় মমিং হোংদোকলে। লৈবাক্কী অখঙ-অহৈ কয়ানা পুংকম খেনকম অকবা খুমিং থাবান অচংব য়েংলগা কংলাদা.পুখংতুনা রাঙ্গোন নিংথৌ হাপ্লে। মপু মোইরাং নিংথৌনা লৈবাক খঙনা মপারিনি লাউথোক্লে, কেগে লৈবাক্কী কম্নাইবশিংগা শকখঙ মায়খঙনয়ে কেগে মীয়াম পুম্নমকস্তু হরাওনয়ে। পাড়ি অসি কেগে খুম্বক লৈরক লান-খিহনা চীংবুরোট তথ্রোই শীনবা থুংনা শন্দোকতুনা মহৌ লোইবী চীংদা শাইদাংলিবা তোম্বু লাইজিংলেম্বী খোংজোম্বা মমা মচাম্বু তারে।

মহৌ লোইবী চীংদা তোম্বু লাইজিংলেম্বীনা চহী কুমজা তরা শাইদাংলুনা য়োকলকপা মপারি খোংজোম্বত্থু রাংবা লেপ তমলে. শাংবা লম য়ৌরে, পাখং শায়েপ কারে। মহৌ লোইবী হাওপাখং-লৈশাবীশিংনা চান্নবা তোংনা তিম্নবা উবদা তোম্বু লাইজিংলেম্বী লুংশা-থীবা হেনগংলকলে। মপা শকপা লাম্থৌয়াংবদা ময়ুম কেগে লৈবাক্কা হল্লগে, মপারি কাংদোং কারকলে হায়জয়ে। ইমোম শকপী ইবেম্মা!

ইপাগীদমক্তদি থম্মু, নমা নচাগী য়াউক পুংঙাইবনা ইপাগীসু য়ুংঙাইবনি।
ইমোম নগনা নয়ুম কেগে লৈবাক য়েংরগা লৈত্ত লায়য় উংত্তুনা
কেগে কনাগী মফমদা তরা লৈতে হায়রকনু, চৈয় রাংলে নিরুত্ত।
ইপানা চহী কুমঙা খুদিংগী নমা নচাগী চায়নবা ভয়কনি, শেংনবা
চৈয় পীরকনি হায়রকপা মপা শরুবা লাস্ত্রোয়াংবগী চানবিব: সুংশিবিবা
য়ারাহু তাবদা তোনু লাইজিংলেম্বী থম্মোয় পেল্লে। অশবা থুমিং
অচংবা থাবান য়েংলগা লোইবী হাও পাখং তরুক্লা চেংকোক লেংদা
থোং, হাওছম নমদা পোহুনা চেং কৌ, পাল মাইরেল পুরগা মমা
মচাবু ময়ুম মোইরাং তাম্না থিনবিরকই। তোমুনসু কেগে অউন
কৈংথন্দগী মপা লাস্ত্রোয়াংবগী চাননবা অচা-অথক কযা লৈহুনা পীথি।
মপানা পীরকপা চেংহু চারগা মমা মচানা সুংঙাইনা ময়ুমদা লৈথোক-
পদি য়াদবনিনা খোংজোম্বনা লোইবী চীংদা কারগা পামেল শীংজা
লাংহুনা মমানা কেগে অউন বৈথেন্দা য়োল্লি। মহুদগী ফংলকপা
মমলনা মমা মচাগী অরাং-অপা মেৈম্রে। অসুম্না মমা মচা অনিহু কেগে
মোইরাং লৈবাক্তা চাবামক্তি হেন্দনা রাংনা লায়য় চৈনা থাংই।
লোইদাম থানা থাশিরক, লাংহৈ কুম ওল্লকপদা চিংফৌ লোকপা লোই-
রহুনা মহৌ নিংথৌ লাস্থৌয়াংবনা মরোই হাওয়াম পুরগা মপু মোইরাং
নিংথৌগী চহীগী লোইপোং কাবা লাকপদা মমোম শক্রবী তোমু লাই-
লেম্বীগীসু শরুক তয়কই। খোংজোম্বনা অমোংপা চৈয় শেংহুনা ওবোং
খমোংনবা শাউওম্না লৈবহু য়েংবা সুংঙাইত্তহুনা মহৌ নিংথৌনা কেগে
কৈথেন্দগী মমা মচাগী শেংন-ইননবা চৈয় কি অহনবা লৈবিরম্মী।
কোরৌ নোংঙ্গ গ্রবা য়ামজেম মৈরা মুংগ্রবা কেগে অথৌবা কদেং
থাংজকনবনা মাগী য়াইবী কনবিখিবা মাগীদমক্ত। হোংনবি খবা অহুবু
মহৌ নিংথৌ লাস্থৌয়াংবনা খক কাউবা লৈখিদে। মহাংথক্ত লমন-
শিংবা ওমখিত্রবসু লায়রবা মমা মচাদা মপাগী লমন শিংগে থন্দুনা
ম না পোকচবা মমোমগুমনা সুংশিবিহুনা অরাং-অপা কয়
মেনখংম্মিখি।

শকথঙনবা

চহী কুমজা খুদিংগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা শজিবু লাইয়েম কিশি জাইবা, কোংবা লৈথোং ফাংপা লোইদাম থাজ কুমদম্বগী লোইজা নিঙোল লাকপগী কাংশঙদা কাং শীংনম্নুনা শান্নে। কুমসি কুমজাগী কাং শান্নবদা খুম্বকী চনু নিঙোলশিংগা খুনথাগী পাথংশিংগা কাং শীংনম্নুনা শান্নগনি। কদাং ভারুহনবা অঙম্বগী মমোমলোই মচেমলক্কগী শকহেনবী মনাওলক্কগী থোইজবী নুরা পিদোংনুনা চনু নিঙোলশিংগী লুচিংম্নুনা খুম্বকী কাং তোংগদৌরি। কেগে ভাঙোই লৈকোয় ময়ায় লেপলিবা রাঙ্গোন নিংথৌ মবং খম্বা নিম্রামনা খুনথা পাথংশিংগী লুচিংম্নুনা কাং তোংবিগদৌরি। লৈমা নিংথৌ অঙম অথৌ কম্মাইবগী মচা-মশুশিংনা চরৈ ফিদাননবা অরু অহেন চাংদম্নবা অশীংনবা কাংনি। কেগে লমজামচা মোইরাং শারামচা চরৈ মন-জুনবা শেংপা লায়র চুম্নংনবা অমত্তা কাং য়েংকরোই হায়বা_রাঙ্গোন নিংথৌগী সনা য়াথং পাউজেলবু খুম্বক খুনথা কৈরোয় লৈকায় থুংনা নিংথৌগী থৌপুবা লোইশঙ মচাশিংনা কোয়না চংতুনা পাউ চেল্লি। পাউ অসি তান্নুনা কেগে অউন কৈথেন্দা তারক্নুনা মপারি খোংজোম্বদা কাং য়েংবা চংকম্নু পাওমেন্নৈ। "পারি খোংজোম কোংয়াং রাবীহল! ইমানা কেগে অউম কৈথেল কাপ্রিইঙদা ইমাগী হৈনা ইতুংদা কেগে পনবান লানগম্নু থাঙ্গ লৈকায় কোয়গনু। ঙসি কোয়ৌ নোংদা লোইজা নিঙোললাকপগী কাংশঙদা কেগে পাথং চনু নিঙোলশিংনা কাং শীংনম্নুনা শান্নগদৌরিবসি পারি য়েংগে খল্লুগনু। পারি নহাক্তি কেগে লায়র অদোন তাম খমলৌ অয়েং চেংবা লায়র অং মচা ওইবনা চরৈ অকবা অরু অহেন অমত্তম্নু লৈতেদে। অঙম অথৌ কম্মাইবগী মচাশিংনা চরৈ ফিদাম্নম্নুনা অরু অহেন উংতুনা শান্নবা কাংনি। পারি নহাক্তি কেগে মীরক তিন্দবনা অঙম অথৌ মপু মচা মপক খংদম্নুনা করিগুম্বা য়াবৈ ... ...রিব ... চরৈ ...

ফিজি ফিমা নেংলুহনা মোইরাং রাখোক ওইরবদি পারি মঙগীদমক্তা শয়েং পাম্বোম তি বিগদবা হৈনা নতুং ইনবিগদবা নমা ঐ নত্তনা কেগে মোইরাং কৈবাক্তা কনাস্থু লৈতে। চৈরে ঙবোং মুস্থুমকি খমোং-নবা শেংতুনা কেগে মীয়াম মীমাঙদা শামান লেংমান্নবা মরক্তা কেগে লমজানি তাকিলুনু মোইরাং শারানি খওহল্লুগ্র"। পলেম মমাগী য়ারাগু খোংজোম্বনা মরূ লুক্রা তাক্লে। লায়র অনং মচা ওইরুবনা কেগে মীয়ক তিনবা ঙমদে খল্লুবদা খোংজোম্বা পায়মা খোয়শাউই। লাইবকচাউবী মমানা পায়বা নুংদা রাজবা লুংশাখিবহু উবগা "পলেম করিগী পায়মা নুংদা লুংনাংবিরিবনো ? নপারি পাম্বোম কৈরা চাউ-রকলে, পলেমগী করি রাংকনি। কেগে মোইরাং লৈবাক্তা লায়র পান্দোং লিংবরা ইনাকখুনবা মউ নাইরবা ? চিংঙ্ মাগী নোংদমখোল লাক্লগা ইমা ইচাস্থু নোংমা নত্রগা নোংমদি কেগে মীয়ক তিনবা ঙম্মকখিগনি। কোয়ৌ মারল রায়রকদৌরে, নচানা চল্লুবা পামেল শিংজা অসি পুরগা কেগে কৈথেল কাবিরো। পলেম হৈনা নতুংদা কেগে পনবাল লায়া নপারি লৈকায় কোয়জয়রম্মোই পায়মা নুংদা চিংনবিগনু" হায়হুনা মমাগী মবুকপু পেনহল্লে। মানা চল্লুবা শীংকোক-থোং অহুগী তখাই অমা শীংবুল চাউনা পুনশিল্লগা মমাগী কৈজাথক্তা শিংজা কোকথোংহু থোঙ্গংপিরে। মমানা কৈথেল্দা শীং য়োনবা চংখিবগা খোংজোম্বনা ইংখোনদা হৌবা য়েনশাং নাপীশিং অহু মখোং শেংতোকপিহুনা লাইজ খিকলেন চাইবিরে। পলেম মমাগী ময়াথং মতুংইন্না খরাই থোঙ্গাল লাম্বোক্তনা লৈরে।

কেগে থুল্লক লৈরক মোইরাং সোয়োক লমজাউদা চম্থু নিঙোল মৌ পাখং নহা অহল ময়াম্মা পয়েং পয়েং কাং শান্নবা য়েংবা চংপহু উবদা খোংজোম্বস্থু কাং শান্নবা য়েংনিংবদগী খরাই থোঙ্গাল রাংমা লাম্না থোরক্লে। কাং শান্নবা য়েংবা চংলিবা মীয়ামশিংগী মকুংদা খরদি চৈরে মনজুনবা শেংপস্থু ময়াওই ইনাক কৈরাক খুনবা অঙম অথৌ মচাশিং খরদনি খজবা চৈরে ফিজোলনা লৈতেংবা। শামান লেংমান্নবা ময়াম্মা

কাং শান্নবা য়েংবা চৎপাহ্ উবদা মাস্থু বাংলেন পুংজা থন্নং কাং শান্নবা য়েংলুগে পলেম মমানা কেথেলদগী কুম্নক্রিউডা হন্নকে থন্নক্লে। ইমুংদগী ওংবোং মন্নাক তাইবহ্ লৌথোক্লুনা ইন্নগা খোংজোম্বা ময়ামগী মতুং ইন্দুনা কাং শান্নবা য়েংবা চৎলি। মিডোললাকপগী কাংথড য়েংবদা কাং শান্নবা হৌরক্লে। নুপা নুপীশিংনা থাগা বাংগা কম্নহুনা মমিং কুপনদবা মথৈ কাং শান্নবা য়েংই। খোংজোম্বদি চৈরে মনজুনবা শেংলগা মীয়াম মরক্তা চত্তুনা কম্বা ইকায়বদগী লাপ্না নুপা থুংকী মনাক কাংশঙগীদি মতাই ওটরপ্না লৈ পান্বী অচৌবা অমগী মথোংদা মতোমদা কমহুনা কাং শান্নবা য়েংই। কদিনা য়োম্বা লুপাগুম, থৌহ্ উংনা পুম্বা শয়ি মৈতাল অরাবগুম চৈরে মনজুনবা শেংপা নাইত্তে ম কমলিবা খোংজোম্ববু হেক উরুবদা মুর। পিদোংশু মাদি মিংকম হোংবা ওমক্লে। চশু মিডোলশিংনা লমথা কাপকদবগী হোৌগংনরকপদা খোংজোম্বনা মঙক থাংগংতুনা কাং কাপ্না য়েংগনবগী নিডোলশিংনা লৈরিবা মাম্বকে অদোমদা য়েংথোকহনবদা মতোন্দা মমিং কুপ্তবমথৈ য়েংহুনা লৈরম্বী পিদোংশুগা মাগা মিংচি অনিহ্ মিংচান্নরে। মুর পাথং অমিদো ইকায় মুংশি মীনোক্না মায়থোং লৈদা লুকথনরে। মরু লুক্করবস্থু য়েংনবগী পেনবা নাইনত্রে, উনরবস্থু য়েংবা তোকপা লৈনদ্রে। মিংচি মিংচি লিথৌনরে, খোহরুক মোমোন হাইনোক্নরে, মুংশি লংলা পাদমনরে। লোক্তাক লাইজ ঈশ্বাক্তা চাক্তাবা উমু কোবা চেক্লানা লেমহৈ ওাম্না চাবা উরগা খিংকম হোংদনা য়েংবগুম পিদোংশুনা মাবু য়েংলিবা মিংয়েং অহ্ লৈরিমুম্বা কারে, মী থঙথিনি মুংশাথৈহুনা মথেম্বু থাম্বজিল্লে। নিজান্না ক্যাং পরোম্বরাসি কোরৌ বায়শিন্নাক্র হায়নক্লুবদা মুরা পাথং কাংখুং অমিমক পনলোক্লগদবগী হোৌগংনরকপদা মানা মানা লৈজপ্না কৈরাং লাচোম, পানা থুদপ পুখোকহুনা লাম্নবে। পিদোংশুনা মতা শকপী লৈরিহ্ পুম্বনা মশাল খোকপা শাশিনন্নগা শাম্বু মন্নানা হৎপা মিডোলগী থুংস্থু কাংহ্ খোংজোম্বগী কি মথাদা ইনশিন্নথা কৌমুদা লোমা শিন্নবে। পানা থুদপ লান্নরিবা অহ্ অমিং কুপ্তনা

মরা কাবমখৈ য়েংহুনা লৈরিঙৈদা লৈরিবুনা চঙশিল্লকপা মানা ইল্লিবা ঙবোংগী কিল্লুংদা লোম্না কাং ইংশিনবত্থু খোংজোম্বদি খঙহৌরে। পল ওন্নববা তুংদা নুরাশিংনা কাং কাপকদবগী কম্লিবা মকম অচুগা খোংজোম্বন। লৈরিবা মকম অতুগদি য়াম্না নকুরে মখুং চম্না কম্লবা পদোংনুহ হন্দক্তি মপাল থংনা কমলে, মখিং পেম্না য়েংবা কংজরে। পিদোংহুনা খোংজোম্বদা তোয়না তোয়না যেংহুনা কাং শাম্লবদা পুক্লিং খোয়জংদবা মঙং মতৌহু পাশং কাংখুৎকী লুচিংবা রাঙ্গোন নিংথৌ নিত্রাম্না উরে। চরৈ মনজুনবা শেংপা থমোংনবা ঙবোংনা খাওম্লবা খোংজাম্ববু উবদা নিত্রাম শাউনিংবনা লুতোন কারে, কা খোকপদি খাদবনিনা মামৈং অনিদে। খোংজাম্বদা চাগদবগুম শংক্রিক য়েংহুনা লৈ'ব।

কাং পাল্লোম্লবদগী কাং শাম্লবা লেপতুনা চরাংনহুনা লৈবসি উবদা রাঙ্গোন নিংথৌ নিত্রাম্না শাউহুনা মনাই শেঙ্গোই কৌশিল্লে। শেঙ্গোইনা মদুঙোগী য়াথংবু লৈবাক মীয়াম মমাঙদা লাউরকই। "উত্রা মাঙদা তা যুংবা উহল লাংদা খুবগুম লমথা কাংমি তমদা, চেকথৈ কাংদম লাকুত্রিবসিবু করি তৌরবগে কাংথুংশা কোরৌ লাবস রায়শিল্লক্লে পাঞ্জল চম্লবা ঙমহৌররোই খুংকাপ থুনা কাং কাপনসি"। শেঙ্গোইগী য়াবাহু তাবদা পিদোংনু কমকমদগী হৌগং-লগা খুংস্থু কাং মাঙথ্রে থিজিম্লরক্লে। মতাশিংদা ওনশিল্লপা খোয়নৌ চাম্লবী ইতখোয় নিঙোল ঐগী মমল য়াম্লবা ইথুংস্থু কাং মাঙথ্রে কাং উবরা হংলকলে। নিঙোলশিংনা হৌগংতুনা থিবদা লৈত্রবদা নুংশা থীনরে। পিদোংনুগী খুংস্থু কাংলেন মাঙখ্রিবগী থিজবদা চরাংনহুনা কৈরে কাং শাম্লবা হৌবা য়ারে। নিঙোলনা থমসুবা খুংস্থু কাং অহু থিজরকপদা পাখং মানা থুংস্থু কাং পুখোরহুনা মীয়াম মমাঙদা লীরক্লবদি তৌবিমল খঙবা উংতুনা পাখং মঙোন্দা পানা খুদপ লান্দুনা শকথঙ মায়খঙনগে খঙক্লবা পিদোংনুদো খোংজোম্বনা কল্লিস্থ নাচুংদনা চুমিন্না কমহুনা লৈখোকপ্রবদা ইবেম্মা ম্মাদি হুংশাথীবম্মা লোয়মনা

খোংজোম্বদা ভোয়না য়েংলে, কাং মাঙখিবগী মীয়াম্না লাংনবহু করিস্তু থওই য়াওইদবা মতৌহু উবদা লৈরিগুস্তু চংশাথীরে। খোংজোম্বনা করিগুম্বু থৌশাদনা মানা য়েংনিংলিবা অহুদা মমিং কুপ্তবমখৈ য়েংহুনা লৈরে। পিদোংনুনা মনাই লৈরিনু কৌশিল্লগা, "ষণজাউনা ঙমোন থুংদে হায়নবা য়ান্নাসে চুমথ্রেদা লৈবিনু 'হায়রকপা মবেম্মগী য়ান্নাহু ভাবদা "চুম্মি ইবেম্মা। মউ করবস্থ চংবী লকুদি মচি কাদবনি" খুম-দোরক্লে লৈরিনু। পিদোংনুগী থুংস্থ কাংলেন মাঙথ্রে তাবদা রাঙ্গোন নিংথৌ নিত্রা'ম শাউবনা লুতোন কাখে। যমকমদগী হৌগংতুনা "নিঙ্তোলগী থুংস্থ কাংলেন মাঙবা য়াবোই. মীয়াম চংপস্থ য়ায়োই। নিঙ্তোলগী থুংস্থ কাং অহু কেগে কনাগুম্বন ফাগি কদি জৌপে থন্নুমা লৌশিল্লবস্থ. হৌজিকমক মীয়াম মমাঙদা পুথোক্লবদি নিত্রাম ঐনা মরাল ভাকপিগনি। ঐনা হায়রিবৈদা পুথোরক্লগা করিগুম্বা ঐগী মীনা থিবদা থেংনবা থোক্লবদি মতিক চাবা চৈথেং পীবগা মপু কৈস্থমশঙদা থমগে নিত্রাম ইতিক খঙহনগে" লাউবকপা, রাঙ্গোন নিংথৌ নিত্রামনা হায়গে হায়বগী মগাগুম তৌবা ঙম্মী উংকে মওংগুম পিদোংনুদা মিংচিনা হায়ক্কেং হায়ক্কেং য়েংলগা নাপম তৌনা লাউ-রকপা অকনবা ময়াথং অহু তাবদা মী পুম্নমক কিনক্লে। মামা মানা কমলিবা কমকম অহুদা কোয়না লৈ লৈহুনা কাং থিবা হৌনরক্লে। খোংজাম্বদি করিস্তু নাচুংদনা তুমিম্না কমহুনা অহুম লৈথোকই, পিদোংনু লৈরিম্বু মপু মনাইদি কম্বা য়াদে, মুংশাথীবনা ফুক ফুক হৌগংলে. লৈরিগুগা লোম্না রা ভাম্নবা হৌরক্লে। কমনবা শিল্লুববু লৈবাক মী-মাঙদা ইকায়বা নংনবা থৌশিনবা তাথ্রে খল্লুবদা পিদোংনু অরাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লরে রাখলনা চাংজৌ মাপা থুংহনবা ঙমন্ত্রে। নিত্রাম্না খোম্বা শেঙ্গোই মনাই অনি থাদোক্লুনা পিদোংনুগী মাঙখিবা থুংস্থ কাংহু থিরুচো থৌদারে। কাং য়েংবা লাকপা মীয়াম পুম্নমক অমমমদা ওইনা হৌগংনহন্দুনা মানা মান্না ইল্লিবা চরৈ নমথাং মকি মরোল কলহল্লে! রূপা নুমী থাক্তমা পাথং নহা অহুল থিদনা চরৈ

কি কনহল্লুনা কাং ,থিবদা থিব কংবা ওমজে। মমৈখংদা ওমাং মতোন্দা নৈ পাম্বী মখোওদা নাইতোম কৎলিবা ,খাংজেম্বগী মনাক্তা লাক্লুনা হৌগংলু মকি কল্লু হায়রবে। খোংজোম্বনা কম্বিসু থওচৎ-রাওইদবা মখোয় অনিদা য়েংদুনা লৈবদু উবদা খোম্বা শেঙ্গোই শাউরে। চওশিন্দুনা মশা শাগল পায়দুনা চিংখৎলুগদবসু মশা মউ কবা হেন-বনিনা ,পাক হেক চিংখৎপা ওমগনিসু থাজদে, মখোয় অনিদু খোং-জোম্বগী মনাক নকপসু ওমজে। খোম্বা শেঙ্গোই অনিনা মবুঙ্গে নিত্রামদা লমহৈনবা তমব থুপা অমথক হৌগংলু য়াদে, কমদুনা লৈবে [illegible]। মনাইশী য়ারাদু তাবদা নিত্রাম শাউরে। লমহেনবা কেঙ্গে মচাদু মশা শাগল লাক্লুনা ঐগী নাক্তা পুরকউ ময়াখং পীয়ক্রে। মদু তাবদা তিল্লিবা মীয়ামদো নুংশাথীদুনা খোংজোম্বদা অমুক য়েং, নিত্রামদা অমুক য়েংলে। খোম্বা শেঙ্গোই অনিসু খোংজোম্বগী নাক্তা হেক চওশিনগদবসু হঙ্গোইরে। মবুঙোবু কিবদগী চওশিন্দুনা খোংজোম্বগী মশা শাগল লাক্লুনা চিংখৎপদা পাক হেক চিংখৎপা ওমদে, মধা চিক্লুনা হেক ওয়মখৈ কল্লা চিংখৎপদা খোংজোম্বগী মকি মমুংদগী মাওখিবা কাং অদু তারকলে। মদু উবদা নৈবাক মীয়াম পুম্নমক ওক্লুনা হৌগংনরকলে, নিত্রামদি শাউবনা লুত্তোন কাথ্রে। নিত্রাম্বা কমকমদগী হৌগংক্লগা খোংজোম্বগী মনাক্তা চওশিন্দুনা মমিং অনিনা চাগদবগুম থানা য়েংলক্রে। শাউমনখিবনা খোংজোম্বগী মথক্তাইদা থুবাক্তা থাগে মপুং হাইগংলকপদা খোংজোম্বনা মপুং কারে, নিত্রাম লেংবা ওমজে। মদু উবদা মীয়াম হোৎচিন্নরকলে। পিদোংসু নুংশাথীদুনা, নিতোল ইসুংলাংগীদমক্তা কেঙ্গে রাখোক ওইবা পামজদে, মপু রাখেল তৌরিবু হায়রকলে। লোইজা নিতোললাকপনসু ''রাজোন নিংথৌ ইবুঙো অথাউ থাম্বী মৈমুংপিখো হঙ্গৎলকলে। কেঙ্গে মচা লমকেংপা নিত্রাম ঐগী ইতিক থওদবশাই হায়রগা মাগী কমকমদা চওশিন্দুনা কল্লখি। পিদোংগ্র লৈরিদু অনিনা মথুংসু ক্লাংলেম, লৌশিল্লগা কাংথওদগী থোরকলে। চদু নিতোল ময়ামসু মাগী মতুং ইরদুনা মরী মরী

থোরকলে কাং শাম্নবা কায়রে। কাং শান্নবা লৈম্নবদা মীয়াম পুম্নমক মম্নুম ময়ুমদা হম্লখ্রে। য়াঙ্গোম লিংথৌ নিত্রামম্ম চংনিং চংনিংদনা মনাইনা থোগল তৌম্নমা থরাই থোঙ্গাল পাংখ্রে।

মীয়াম্না হক্কথ্রবদা খোংজোম্বস্সু মানা ইল্লিবা ওবোং অম্হু মক্কেংবান্দা হাইগংলগা ওম্মাংদগী থরাই থোঙ্গালদা থোরকপম্হু উবদা পিদোংনুনা লোইজা নিঙোললাকপদা, "পম্মৌনা তয়ুম-তম্নব ঙ্গপা অমি থারকনি হায়বস্সু য়ৌরক্লে। কোয়ৌনা নায়ন রায়শিন্নরুবসিদা নিঙোল ইদোমদা ইয়ানয়াইদা হনওমদ্রে। ইবুংনা লেপকে লেপপিয়ু মরুগা মাঙদা চংল্লিবা কেগে পাখং অসিবু নিঙোলগী থরাই থোঙ্গাল কাওবদদি লেপপিনবা ইবুংনা থরা ভাঙনবিয়ু" হায়রক্লে। নিঙোললাকপা অঙম্বনা খোংজোম্বগী মনাক্তা-চঙশিন্দুনা পিদোংনু মপু মমাইবু নিঙোলগী থরাই থোঙ্গাল কাওবদং লেপপিনম্মু হায়জবম্হু খোংজোম্বনা হম্নাঙ-হবাওনা য়াবিবে। পিদোংনু লৈরিমু অনিনা মাঙ থারগা খোংজোম্বনা তুংদা মরু লুক্তুনা য়া মচেং অমত্তা ভাঙদবমখৈ মতুং ইম্নহুনা অম্মুম লাকপনা লন্বী তথাই চনশিল্লক্লে। পিদোংনুনা তুংদা থর থর লৈথরগা খোংজোম্ববু হম্না য়েংজৈ, অহুবু খোংজোম্বদি ইকাথ মুংশি য়াননবনা মমায় হাইগংচবা ওমজদে। পাখং ওইবা মাগা মুংশি পুকনিং যুমদিন্না রাবী শাহুমা চংমিম্নববদি মুংভাইগনি থনজৈ পিদোংনুনা। চম্মু নিঙোল অনি অসিগী থরাই থোঙ্গাল য়ৌহুনা পলেম্না কৈথেল কুম্নক্রিংঙদা মোংবা ইয়ানয়াই য়ৌরবদি মুংভাইগনি থল্লি খোংজোম্বদি। মুরা পাখং অনিগী পায়মা রাখলন্থু থঙজদবী লৈরিমুদি পিদোংনুগী মাঙ থাহুমা খোংকাপ কমজাও হুন্দুনা চংলকলে। পিদোংনুনা লৈরিমুগী কিজি য়াম্নগা "খোয়নৌ শকর্ম লৈবিমু, নওসিমা ওম্মোক্না খোঙকাপ কমজাও হুনম্রে। হৈনা নতুং ইনবদা পাঙ্গল শোনবী ঐদি রাবনা শাদৌ থোংলে" হায়রকলে।' মরেম্বগী য়ায়াহু তাবদা 'ইচেম ইবেম্মা শকহৈনবী, কোয়ৌ মায়ল রায়রকলে, পম্মৌ কংলা খৌগুম্নরুপনি খোংকাপ কমজাও হুনবিয়ো" খুমজৈ লৈরিমুনা। "হা লৈরিমু

অচানবী, ঙসি মোইরাং লমজাউদা নচেম্বগী খুরা লৈখোং থাদা মরু পান্দবা তিংখংবা য়ুহুনা য়ুরানা খোংকাপ নাওরৈ থাংবা য়াঙ্গিবসে মওদি চৈনাখোল কাওদবনিনা করিগুম্ব থওই য়াওইবিরে" হায়দোয়কলে পিদোংলু। মবেম্মনা খোংজোম্বগা লুংশি য়ারী শান্নিংহুনা লৈথবন্থ লৈরিমুনা থওদহুনা খুয়াদা তিংখং য়ুদ য়ুংবোই থম্নুনা তিংখং শংকদবগী জুংশাথীনা চঙলকই। পিদোংমুনা শাউহুনা লৈরিমুগী মমঙ্গন্দা খুহুমা হুয়গা "অপঙবী মরু পান্দবা তিংখংনা কদায়দগী লাকুনা য়ুঙরুগবনো? পম্বৈগী থরাই খোঙ্গাল য়ৌগ্রিবৈ কেগে ভাংলৌ পাখংসিগা ইন্নুংশি য়ারীনখিসে। পাখং মাগা চেংলৌ শকথঙ মায়থঙজনিংবদগী পাখংগী চরৈ ফিরুমদা কাংলেন লোনজাননা থমজিল্লুবদি নিঙোলগী থৌইনশিল্লা পাখং মাবু ইকায় শেজোই মায়খুনবা তাগ্রিবা পাখং মাগী মকাদা নিঙোল ফিগৈ শেংলম্মু তাকপিরে। মবেম্মগী পায়মা লুংগী য়ারাহু থঙলবনা য়াঙাং য়াতা হৈবী লৈরিমুনা খোংজোম্বদা ওনশিল্লগা "কেগে ভাংলৌ পাখং, মোইরাং ভাংখম তাদও! করিগী হুয়াই পোম্বী মায়-রুরুবিরিবনো? চেংলৌ শকথঙনিংবা য়ারা নপাউ তাকিংবদগী পাখংগী চরৈ ফিরুমদা নিঙোল ওইবী ইচেম্মা খুংম্ম কাংলেন লোনজান্না থম্বুবনি। পাখংগী শমু খুংমা কাংলেন মাবু শীবিরুরুবদি লৈবাক মীমাঙদা লেম্র-জনিংবগী মওংগুম পানা খুদপ লাবজগে নিঙোল মানা থনজরুববু পাখং ভাংজ ফিরুক খুমুবা ইকায় শেজোই শকওম্নবা নিঙোলনা থৌশিন-ববু তাগ্রেদো খল্লুবদা নিঙোল ওইবী মহাক্তি ইকায়বনা খোংকাপ নাওরৈ থাংবা ওমজে। পাখংনা পেনবিগদবা লৈয়বদি লৈমরোল লুচিংবী মাবু চিনবাল মকা লাম্না অখিবা য়ারা খোনকম্মা মীচৈবিয়ো নিঙোল ওইবীনা পায়মা পুকখা লিনখা থাজরোইয়ে হায়রক্লে। য়াঙাঙ য়াতা হৈবী লৈরিমুগী য়াহাহু তাবদা খোংজোম্বা খাই লাউই, থঙহৌদন মশা-পুম্বা মতু চুংই, হয়াও লুংঙাইবা য়াখলনা লৈকম থংদে, ইকায় লুংশি শান্নখিবনা খুদক্কা পাউখুম শীবম্মু ওমদহুনা খোংজোম্বা পিদোংমুদা মিংচিনা হাইকেং য়েংলম্নগা লৈরিমুনা ওন-

শিন্দূদা "মোইরাং অণ্ডবগী মযোমলোই শকখিং খোইনা নামিবী, চেংলৌ শক্রুম্না খোইমু কয়াগী মিতাকম ওইরিবী ন্নুম্না মকাদা কেগে পাশা তাম্বা লাম্নবা লমজ্জা ঐনা কাংলেন লোনজা লোনথুপনরুবগী কেগে ম্নাখোক ওইহ্নুনা মপু চৈম্নাক কংলপদবা লমঙ্গাবু ইকায়বদগী কনবিবগী-দমক্তা কেগে লায়ন অদোল তাম্নবা পাখং ঐনা নিঙোলগীদমক্তা তাউজিং হৈরাং নিংখিবা শিঙেল লৈরাং অহেনবা অমত্তবু পীজবা ওম্মোইদৌরি থম্লুবদা খোংকাপ মাওরৈ থাংবা ওমদহুনা ম্নাংদৌ লম্মুক্রুয়ে। পাখংনা ওমজবা ম্নাংলেন্দা নিঙোল নতেও পাংজগে ধুম্না নওবু কাউজরোইকো" হায়রকলে। খোংজোম্বগী মুংশিবা মম্বাহৈত্থু তাবদা ওণাইমখে ইকায়হুনা ম্নাম্না কাংখোকপা ওমলমদবী পিদোংগুহু মখোনা হাপলকলে। লৈম্নি-নুগী মনাক নক্তা চওশিল্লগা মাগী চৈম্ন নমথাং মচিহু পায়রগা লোম্না মিংচিনা ম্নেংলগা ওখনাগী শৈশককুম মেনা খোংমা নুংশিরবী মুম্নাগী খোঞ্জেলনা ম্নাম্না মপাউ মেনজম্নকই। "পাগংগী পায়মা নুংদা করিগী চিংমবিম্নিবমো? পাখং নথুংতগী নিঙোলনা কাং লৌঙনিংহুনা মোমনু ম্নাখল থেমবী খুজানা পাখংগী চৈম্ন ফিরুমদা ইথুংম্নু কাংলেন থম-জরুবনি"। মবেম্মগী ম্নাহু থংতুনা লৈম্নিনুনা ম্নাপাংলকই। "ওসি কোয়ৌ মুমিংতা পাখং চেংলৌ উবদা নিঙোল পুক্নিং খোয়দারুবনা শকখণ্ডনবনা কোম্লে নুংশিজবনা হাম্লুরে।" চাইবকচাউবী মুম্নানা মুংশি-রুবনা লায়র নখৌ পুজগে, লৈত নতেও পাংজগে নিঙোল পুক্নিং লেপচম্নে"। মানা চিঙ্গোয়নিংবা পায়মা নুংগী ম্নারাহু লৈম্নিনুনা অমত্তা থাক্তনা কোংদোক্লবদা পিদোংম্নু থংম্নোয় পেম্না নুংঙাইজে। লৈম্নিনুবু কোম্নুনা চুপনিংববু মীম্নাও ওইবমা শাউশিম্নহুনা মনঙ্গন্দা শুবাক্সা থাবদা শাউবদি লায়ম্নহুনা মখোয় অনিহু লোম্না নোকখিম্নৈ। নিঙোল অক্নিগী মওং মতৌহু উবদা খোংজোম্বমু ইপং হেক পংবমখে নোকখোকউম্নে. লৈম্নিনুনা হুম্না ম্নেংখোম্নকপদা খোংজোম্বা ইকায়মবম-খিহুনা. শককম হনজিম্নগা মরু নুক্নুমা লৈম্নে। "নিঙোলনা ওমজবা ম্নাংলেন্দা তাউজিং হৈরাং নিংখিবা শিঙেল লৈম্নাং অহেনবা পাখংগী

নশক্নকনি, তম্মচ্রবগা নিঙোল থেঙোন খুঙোলদু মদু খুৎলৌবিগনু।
পাখংনা পায়মা পুক্নিং লেপশিন্নবদি নিঙোল কোন্নোয় তাকচরগে।
পাখংগী, কোম্মোয় মিংলেনসু মাবা মিচৈ লেপ্পিরম্মু”, হায়রকপা
পিদোংলুগী মামাতু তাবদা খোংজোমনু মথৌনা হাপ্পকলে। শিঙেল
লৈরাংলক্নগী অথোইবী, চেক্লা শায়ামলক্নগীসু লুচিংবী! ৱাদম ইতিক
নত্তনা লমজা ইপা চাদনা কোম্নৌ থজা ঙাম্নিবা মোইমসাই তাউদনু
অঙানবনু লমজা খুংনা লাক্কজবা কংলোইজা খনুবনি। মুমানসু পুক্নিং
লেপশিন্নবদি পাখং ঐসু লেপচরে। পম্মৌ ওজা কাম্নমথা পলেম
নুপ্পা ওইবীনা কেগে অউব কৈথেল্দা পামেজ শিংজা কোন্দুনা লাকতা
ঐবু চাউনবা য়োকশিনকপনা চাবা ইনিং থুজদে, পেংপা ইথা তথজদে।
পাখং কোলোয় মিংলেন্দি পলেম ইমা লায়রক্পীবা উন্না-নহা-খোংজোমবা
থোনবিদে”। খোংজোমগী মামাতু তাবদা পিদোংনু থোমথোন থোক্লপা
লোয়না নায়না চিক্লা “লৈরিক্নু, পাখং কোলোয় মিংলেনদে পায়মা থৈজা
মুংশিপ্রে হাইমি” হায়রকলে। লৈরিক্নুনসু “চুম্মী ঈবেম্মা মুংশিপ্রেকো”
খুম্নকই। মবেম্মগী ইঙ্গিৎ খংবী লৈরিক্নুনা খোংজোমদা ওন্নশিন্দুনা
“নিঙোল পোকপা পম্মৌনা তাংনা কংজবী মমোমদু পিদোংনু খোম্নি।
কেগে লৈবাক্না মুংশিক্নিনা লৈমরোল লুচিংবী হৌশিন। পম্মৌ
কোলোয় মিংলেম্না কদাং ঙাক্নংহনবা কৌই। নিঙোল পোকপা
পম্মৌদো সনা থাঙগুম মঙাল নাউবা নিংথৌ কিজ্জ মখেকদা লাক্নবা
কেগে কংলা কাবদা দোলাই তোংব, কুমদবা লাঙ্গোই-শগোল-তোংবা
মপু, মোইরাং নিংথৌগী য়েংথাঙ ওইরিবা কেগে লৈবাক্কী অঙথনি”।
রাঙাং রাতা হৈবী লৈরিক্নুনা খোংজোমদা। মাগী শাক্ন শারক্নুনা
লাকপনা নিঙোলগী থমুই খোঙ্গাল মৌরক্নবদা পিদোংনুবা পামা
খুদপ লোম্নোক্নগনা লৈরিক্নুদা পীদু শিজে। লৈরিক্নুনা পাক্না খুদপ অদু
খোংজোংমদা পীরগা “নিঙোলগী থমাই থোজ্জাক মৌরকলে, পাখংমু
হল্লবিরে।” হায়রম্মগা মবেম্মদু চিংহুনা থোংজাগ লাজশিনখ্রে। পিদোংনুনা

খোংজোম্ববু লুংশিবা মিংয়েংনা তুংহন্না য়েংলম্লগা ইমুংদা চঙখিবদা খোংজোম্বহু মথবায় লুংঙাইথ্রবোই চেলনা চেলনা ইশৈ শংল শংলহুনা মমুমদা হল্লকলে।

পলেম মমানা কৈথেল্দগী কুম্লক্লিঙৈদা মমুমদা য়ৌহৌগে খল্লুনা খোংজোম্বনা খোংকাপ লাওনা লাওনা থাংহুনা লাকপদা কেগে য়াংদৌ লম্বথাংদা নিত্রামনা মনাই তমব মুপা মবিগা লোয়ননা মাবু ঙাইহুনা লৈরম্লে। খোংজোম্বনা লম্বী থৈহুনা চংকে তৌবদা মখোয় মরিনা খংতুনা চংহন্দে। ইয়াম্বাশা য়াংনৌ লম্বী থাদোকপিয় চিঙোয়নববু খওইমা তাবিদে, মখোয় মরিনা খোংজোম্বহু লাঙোই চন্না কোয়শিল্লে। নিত্রামগী ইঙ্গিৎ ফংবদা শেঙোইনা খোংজোম্বগী মাক চঙশিল্লগা কোনগে তৌবদা খোংজোম্বনা কিতম শেমহুনা মমায় ওমশিল্লকপদা হন্দোকখি। "লৈশক খঙদনা লৈচিনগে মপু তাক্তনা লৈরাইগে খল্লুনা চৈরৌ কান্দেং শাল্লিবা লমহেনবা কেগে মচা নহাক কনানো?" হায়রকপা নিত্রামগী য়ারাহু তাবদা খোংজোম্বা করিস্নু নাচুংদনা 'লৈশক খঙনা লৈচিনবা লৈচু খঙনা লৈথেৎপা কেগে লমজা মচানি" খুম্লগা লম্বী মতাইদা থৈথহুনা চংকে তৌরক্লবদা নিত্রাম্না খিংহল্লে। "নবুঙো ঐগা শুমায় উরোং খিল পামেল উরাই হক্লুরবী লৈমরোল লুচিংবী পিদোংবুগা নাপ্পা চিক্লা চিঙ্গায় পাওমেন্নবদি লমজা নতিক নথৌনা করি লৈহুনা। হায় খোম্বা, শেঙোই অনিমক থকসি কারম রানাইদবা খাসি লিকলেং শোইনাইদবা লমজা মচা অসি মতিকচাবা চৈরাক চৈথেং পীয়ুহে" থৌদারে। মবুঙো নিত্রামগী ময়াথং ফংলবদা খোম্বা শেঙোই অনিহু মকি শেম্মি। মখোয়গী মতৌ উবদা শাউরমদবা খোংজোম্বসু মশাদা ইল্লিবা মরাক তাইবা ঙবোং অহু লৈপাক্লা থম্লগা মকি শেমহুনা হৌজিক্কি লায়র ইশা খোকলে হুয়েল ইরান ওইরে, লমজা ইতিক খঙখো হায়রম্লগা থুনা য়াংবা হৌৎচিনখিহুনা থুংলৈ থুনা মনাই অনিহু অমমমদা ওইনা কোল্লগা লৈপাক্ত থাদম্মী। নিত্রাম্না শাউহুনা অতোম্না মনাই মুপা অনিহুসু থাজিনবদা মখোয়

অমিবুসু লাক্লুনা লাংথখিয়ে, লৈপাক্তা উপথুননা তারে। মখোয় মরিদু চৈনাখোলনা নামনখিবনা হৌগংকে খক্রে, লৈপাক্তা থুক্ত থুদক কুপ্পুনা অঙুম লৈরে। নিংথৌমদি শাউবনা তাংজ লিনগী মতৌগুম কি কি কাংলে। মনাই মরিদু কিবনা খোংজোম্বী মনাক নক্কে খময়ে। অম্ময়া চঙশিনবা ভমুননা লৈরিভৈদা তোম্নু লাইঙ্খিংলেম্বীন। লৈথখন্দগী হুরকপদা মপাবিগা মখোয় মচাগা য়েংনরমলিবদু উবদা থুংশাখোইদুনা চেনশিল্লগা খোংজোম্বু কায়। তোম্নুনা মপাম্বিবু চিংঙুমা পুগে কৌবক্রব। নিংথৌমা মনাইশিংদা চৈরকই "হায় মীনাই শকথীবশা অমাগী শমু মপুংতগী মুম্লগা শয়াং খুঙা য়েংতুনা, মালেম যুম্বারন চিংগুইরে" হায়রকপা নিংথৌমগী অকনবা য়ারাদু তাবদা শাউবা হৈজত্রবী তোম্বুগী অমৈ য়েংলবা তাংজ লিমগী মতৌগুম নিংথৌমদা শংত্রিক য়েংতুনা "য়ারঙ্গাম নিংথৌ মবুঙো! চাউই মতাংগুম য়ায়া নপাউ তুনয়ম্লি। পালেম মমা ওইবী ঐগী ইমাডদা তপাব্বিগী তুবুম নাম্ব শোক্তদবদি কেগে মোইরাং লৈবাক্তা অওম্বা কন্নাগীসু মতিক লৈতে" হায়রকলে। তোম্বুগী য়ারাদু তাবদা নিংথৌম খাক্লা খাক্লা নোক্লুনা উশিল্লবা মিংয়েংনা খানা য়েংই, শাউপ্লিংবনা মপা থক থক নিকই। "য়াঙ্গোন নিংথৌ ঐনা চৈরাক চৈথেং পীবদা লায়র চুতংনবী হুপীঙ্গা নঙগুম্বনবু খিংবাদ ভমগত্রা? লমহেন তুহেনবা মমা মচা অনিশি নিংথৌম ঐগী ইমাডদা তুংবুল শম্লং পরৈনা তাউবা হুইগং চিংবগুম কেগে সোয়োক য়াবীথক অসিদা চিংতুনা পুহৈ কবি তৌজবা হুম্বগে য়েংসি" খৌদারকলে। মপুগী য়াথং খংবদা পাংত্রবা মনাই মায়াদা মমিং থংনবগা মমা নচাদা হোংচিল্লকপদা খোংজোম্বনা নাতিক লৈরবা, য়াহৌবী নথরায় মাঙনিংঙবদি চঙলকউ হায়না মমাগী মমাঙদা শয়েং পাম্বোম তিংতুনা লেপ্লুবদা নিংথৌমগী মনাই মরিদো চঙশিনবা ভমদতুনা লৈরে। নিংথৌমসু পাঙ্গল খোকপা য়াদতুনা তৌফম থঙদনা ইকায়বনা মকু লুক্কুনা লৈরিভৈদা তোম্নুনা খোংজোম্বু পুক্কুনা চংখি।

বাশক-তেমশিংমবা

মোইরাংনাই তাউদনা অহানবনা লিবা লিশুম তোম্মু অন মাংচুপ চীংগোংতম্বা অহানবা নেম নেম কুপথকপা তুমবা কোংচিংচেল্লকপা মাল মুংশিং অয়িবা থাঙ্গান চকচিক লাংলকপা তুমিদাংবাইরমগী মতমদা খোংজোম্বা মথুত শইজে অমা পাযরগা কদাং ভারুংহনবা অহনগী মরাই খোঙ্গাল বাংমদা তঙ্গং তল্লা চংলবে। মুর পিদোংগ্নুদি লিঙোল নাম্বা ইথোংশঙ উয়োং লাইজি খোংহনা চরৈ ফি শাহনা লৈ। মনাই লৈরিগুনা পাম্বোগী তুমাংদা খোরকপদা খোংজোম্বনা থরাই খোঙ্গাল বাংমদা চঙসি চঙমবা তঙ্গং তল্লা চংলিবহু উবদা মবেম্বদা পাউদমজে। পাম্বো মপানা কংলা পৌগুয়ক্তি ৈউ, পালেম মমাস্থু কেগে অউন কথেন্দগী কুমক্তি ভৈদা হৈলিংবী লৈরিনা নাবল খোঙবু হাহনা খোজেম্বু মিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙদা কৌশিন্দুনা মরিংগী মোরা খুংনৌবী পাজেংবা নাঙই লোম্বিবা মোরা থাহনা কমহল্লে। লৌশিং চাউনী লৈরিন্নদি মথুংতা পুন্নাং অমা পাযরগা মখাং পুখ্রিদা ঈমু ময়োম্ম শংনা লাইক ঈপাল লাংবা শহনা পলেম হঙ্গকপা য়েংহনা লৈ। পিদোংগ্নু চরৈ ফি শাবা খোয়জাদে হুবা পাথং অনিহু মিংচিমা হুনা হুনা য়েংনজে। "নিঙোল ওইবী নফমদা কবিগুম্বা মারা অমত্তং চিঙ্গোয়জনিংবব্রু" ইকায় ইকাযনা খোংজোম্বনা হায-জরকপহু "পায়মা মুংদা চিংনদনা চিঙ্গায়নবিয়ু" খুমজৈ পিদোংগ্নুম্মু। "নিঙোল নকাদা ভাঙথোকসি থমাউ ভারুপল, হায়দোকসি লৈতোল কিশি কিবে। পাথং ঐদি কেগে লায়র অদোল তাম্বা পলেম পম্বৌ শুনা নাউয়োক নাউকোন্দুনা চাউরকপা নত্তেদে।। মুরা ওইবী নহাক্তি রাঙ্গোন নিংথৌ নিত্রাম মসুংলাগীদমক্তা নিঙোল পোকপা পাম্বোগা তুমায় উয়োং থিল, পামেল উরাই হক্কুপ্রে ভাবিবা যারা অসিবু অচুম্বরা, নিঙোল, ফিগৈ শেৎরিয়ু" হংলকপা খোংজোম্বগী য়াব্বাহু তাবদা পিদোংগ্নুমা মোম্মোন লোক্কুনা খুম্নকই। 'রাঙ্গোন নিংথৌ নিত্রামগী

মীনম য়ারাবু রাচায়হুন্না পাখংগী উনবি পুক্লিংবু ওনবরা? কেগে কৌম্নখোল তারগা শমু খুবাক কুয়োল হুবিগনু। নিঙোল পোকপা পম্বৌনা অমত্তা পোকপা মযোমগী উনবি পুক্লিং তুংওইননা থাজ মনীংতম য়োনজ মথা তমগনি পাখং পায়মা নুংদা চিংনবিরকপনু। নুরা পাখং অনিগী থাজা পয়ে চেংনবা অপাম নুংশি লৈপুল ওইনবা চিংঙু খাংজীং পলেপ্পা শম্বি পন্দোল লোয়রসি''। পাখংনা খল্লম্বা রাখলগা নিঙোলনা নীংলম্বা পুক্লিংগা লিতিম্নরবদা শাবি শানৌ অনিদো নিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙ পলেম খঙহন্দনা পম্বৌ তাহন্দনা অমম অঙান খায়ব্রিবা য়োইমনাই তাউদল অঙানবা চিংঙু মাবু পলেপ্পা শারি পন্দোল লোয়রে। নুংশি ঙমখৈ য়ৌক্রিবৈ পাম্মু পম্বুং লোমক্রিবৈ চিংঙু মাগী নোংদম্বা খোয়ুম মাগী চৈথংনা নুংশি লংলা পাদম্বা শোইনাই মচেৎ থাংথুনা থাংঙু থক্তা য়ামজেম মৈম্না মুৎনরবনু নুংশি শামায় লৈবদনা হৈনা তুং ইন্নসি য়াইবী থবায় থামাসি হায়না চিংঙু থাংজীং লাইবুম্নু পন্দুনা রাশক্রয়ে। শাবি শানৌ অনিনা নুংশি রাশক তেমশিংনরবদা পম্বৌ মপানা কংলা খোঙুমলক্লিবৈ পলেম মমাম্নু কৈথেন্দগী কুম্নক্লিবৈ রাংলেন মরক অসিদা লৈরিগুনা নাকল খোঙদা খোংজোম্ববু থাদোকখ্রে। মপু মনাই অনিম্নু নিঙোল নাম্বা ইয়োংশঙ থাদোক্নুনা মরান নুংদা চঙখি।

পলেম পম্বৌগী রারক চৈরাক্না কনখিবনা নুরা পাখং অনিদো শক্তা শক্তা উনদবা ইনুংশি রাগী শান্নদবা কোয়ৌ শিংবুম কয়া হৌখ্রে; লোইদাম থাবুম কাজিন্নকলে। মবেম্মগী অরাবা মতৌমু উবদা লৈরিন্নুনা কৈরোয় লৈকায়গী মচেমদা অয়োনবা পাউবু খোংজোম্বদা থাখি। "হয়েং কোয়ৌ নোঙ্গাশোই লমলেন লোক্তাক খমংখোংদা চন্নু নিঙোল মরাম তন্না চাক চাননবা লেমলৈ ঙারম ঙানবদা পাখং খোংদোই হুনবিরকউ নিঙোল ইত্তেঙ পাংখিরো"। মশানৌ মনেম্মচাগী নুংশি মপাউবু কংবদা ঈখৌ লাংলবী নোঙ্গৌবীক্না কুমগী নোংলেন কংবদা চেক্লা মানা নুংঙাইজবহু পাখং মাপা পাংথক ওইরে। লেপ্তুনা

চংজিবা অতমগী খোঙজংদনি, ইস্নুং তাংদৌ রায়খিবনা কেগে ইস্নুং তায়রক্লে, মোইরাং শোয়া হেন্নক্লে। লেমলৈ তারম তানবদা ইন চিংগদবা নিঙোল মখৈনা ইন শেমজিল্লে, লোং খোনগদবা চন্নুশিংনা লোং শেগায়বা কোংমল্লে, জুঙোল লৈতবনা জুঙোল রায়নরে। কোয়ৌ হুনবনা কোকতোন রায়রকপদা চন্নু নিঙোলময়ামদো স্তরা চাকওম চাহুনা নমলেন লোক্তাক পাংথ্রে। পিদোংবু লৈরিবু মপু মনাউস্নু হয়েন পোয়া পুরগা লাকপনা কেগে থমংখোঃ য়ৌরে। কনাং তারুং-হনবা অতবগী মথোঙগোই লবাই পোস্বী হুইক্রগুম নিঙোল মদোম তোমথাংমবী, লাংবল কৌথাগুম নম্মাতোন কেগে লৈময়োল লুচিংবী হুয়া পিদোংহুনা কেগে লোক্তাক খোংবান থমংখোংগীদি খোংজিন্দা পহ্মৌগী রাকয়ৈ হিরুবাক্তা হুয়ানা খোঙখোং লৈনা শা ইনফি মাঙয়োং তাননা লেমলৈ তারম তাম্নুনা মশাবি খোংজোম্ববু তাইজখি। মশাবি লাকপনা তোয়না য়েংবদা হুয়া যাদি লেমলৈ কাবদা খোয়জংল্লে। থাজা লৈকায় লায়া লমখোক্তবনা কেগে থমংখোংবু থঙদহুনা নিঙোল মাক্তু লাক্তবরা হুয়াগী পায়মা হুংদা মওল মওল থল্লকলে। মবেম্মনা লেমলৈ তারম তাবকদা পায়মা খোয়জংদবা খুনিং মোদোম কাং, খুবাক লাইখল তানা অয়াম্বদা তোয়না তোয়নঃ য়েংলিবা মওং মতৌহু উবদা লৈরিবু নোকনিংলবনু মবেম্মবু কিজবনা নোকসি নোকওমদ রাজা নোকনিংবা থাওলক্লে। "ইবেম্মা খোয়নৌ ইতা ময়ামদি লেমলৈ তুজোম খাংতপ লাকলমগনি। ননাই লৈরিবু চোপ খৌজয়কে পায়মা খোয়জং খোয়দানা লেমলৈ তাবু কায়সি, পাখং মাম্নু মরাইনা লাকচনি" হায়রকলে। লৈরিবুগী মারাহু তাবদা পিদোংবু শাউরিং-খবোই "শকখীবী, অতগী লেমলৈ ডা অসিগীদমক্তা ওইরবদি মোইরাং অচৌন কৈরেম্মগী লৈমনু লৈশিংতবা অসিবু। শাম্নু মাপা মায়োক্তা ইঙ্গংশি রাজী শাকপে পায়মা হুংদা থম্নুনা লেমলৈ তারম ত থিবনি। কোয়ৌব রাজশিংক্তে লাকহুনবু তোক্লপয়া নিঙোল পায়মা হুংলে অঙাংজা খোংয়াং হুংমাংবে লৈতাকম থঙক্লে লৈরিবু" হায়রকলে হুংখাখিবা।

মুখশ্রী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
লৈশিবুমা [illegible] ইহৌবা [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] (৩) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] লৈশিংগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]" [illegible] । লৈশিংনা [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] লৈশিং [illegible] [illegible] [illegible]
অমা অমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈশিংদু [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কবি [illegible]
[illegible] [illegible] । লৈশিংদু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] লৈশিংনা [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] টিবর [illegible] হাক্ত শাউরে। [illegible] তৌরে মপুনা থোৎ নত্তে. [illegible] চুংশিং অতাওবগী [illegible] হিথাক চুবা [illegible] মপুগী কদাং শোইদা তাকখি। অমুক হন্না [illegible] [illegible] তাকপিয়' [illegible] মাতাংদু শোইয়েনবগী [illegible] অনিয়ে। [illegible] থাবিক্তবদা [illegible] হায়কই তৌরি [illegible] মরু [illegible] লৈরে। [illegible] [illegible] শোইক্তা কপশিংনা. [illegible] মচু [illegible] চুংকুনননা পুরেশা [illegible] মপু লনা নাক্তা পুরকদে।

চুমিং [illegible] বারবাম নিংথৌ নিত্যামগী মনাক্ত [illegible] অহুমগী [illegible] [illegible] নিংথোল মথাক্না শেমগৈ [illegible] [illegible] লাকখি। [illegible] [illegible] কনাং শোইরেগ হঙবগা উমহুনা মথুং তুংবুগ শাবৈ লাক্লম। [illegible] থোংজোবদু বাজোব নিংথৌদা শিৎরে। [illegible] [illegible] মবাক্ত থাদা নিংথোল শাথং কাং শীংনহুনা শামবদা পিরেৎহুগী মথুংদা [illegible] বাওথিবা বাথোকী মলোম লৈথিবা [illegible] খেংজোংবু উথদা অমন খুমগে মপুক্কীদা [illegible] মনাই থোগা শেজোই বাজিন মা খোংজোংবু হুনবা মাথং [illegible] মপুগী অচাবনা মনাক্ত অথিংদা। মপুৎতা চৈ [illegible] শাগ্মগা হুপা হৌরকদে। অথোয় অনি চত্তুনা খোংজোংবু কুবাসি কনাং [illegible] অতৈগী মনাই অকনবা চাউবা শাক্তনবনা উমহুনা শিজোংহুনা শাউ শাবা চেয়কই। নৈরিহুনা বাকৈ হিগী হিকবাক্তগী মথোকা কুমখাং [illegible] মথাক্ত হেক লৈথোরকপদা অথাক্তদা ডাকহনবগী মনাই মপাক্কল কনবা মথৌনা লৈবক [illegible] থিংশি [illegible], শাংবনা মাথং [illegible] শাংবা থাদংলিবমথৈ [illegible] মিথৈ শিদবা শাজবগী শোনবা [illegible] [illegible] [illegible] শিবা অথৈগী মমাক [illegible] [illegible] [illegible] হবেশা য়েক্তা। [illegible] চাউবা শাক্তনবনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

কেখোকখিবদা চাউবা পাজনবনা কিংনা চেককইখহ্ উবে। "ইঙ্গেলন্দা
কৌখিবনে হৈয়াংঙিংউদো মুখাংলরে" হায়না শাউরপনা ইল শোমখংলদা তা
মাহ্না লকলে। চাউবা পাজনবনা চেলনা চেলনা লাউরকই, "হো উবেমা!
বহাল কোথৌ নোংলেন্দা নিংতোল মাহ্না ইয়োংশঙদা উবেম্লা। মাহা
শাওথেরখিবা কেপে লমতা মচাহ্ লমলেন তান্না উখিংথোং লিক্লাই
কদাং মশোইরেল থয়োম তৌবী লোই চঙ্লুবগী মপুগী শোইডাক-
পশিংনে নিরাবগী-মনাইনে মখোয় মন্নাম্না চৈয়াক চৈথেং শীহোৌরে।
লমদা মানা চৈগী চৈনাথোল রামা খাংহৌবহ্ উবদা ইবেম্মদা পাউ-
রুমগে চেককপর্সি, মকুং চাউবা পাজনবগী মারাহ্ তাবদা পিদোংগু
ঊন চিংবা তোক্নুনা মপু মনাইদো লোক্লাক থোংবাম তান্না কাখং-
লক্লে। মীপাইচাউবী পিদোংবুদো পাথংখিহনা থম্মোয় তনিক তনিক্লে,
চুম্মা লেম্না ঙমদরে, বা তাঙবদা মখোল নিকলে। "ইবুং চাউবা পাজনবা!
পাথং মানা নিংতোলগী ইথেঙ পাংখিগে লাকপদা মহৌশানা লৈকাম
লাম্না লমথোকবনা নচলগী খোজুল লিকম থঙদহনা মপুগী কদাং
শোইদা কুমকুবনি। নচলগা শম্নি পন্নোল লোয়খিবা পাথং মনা
খাংহ্খঙা মাইবী মাঙবা খোক্লবদি শুরি মারা তুংইরা নচলম্ পাথং
হেনা মকুং ইন্দুনা মাইবী থরায় খারগদবদ্দি। নচলবু মুংশিংখিরবা,
মাইবী থরায় কনখিগে থঙবদি পাথংগী মাইবী কনখিরগা নচলগী খুত্তা
শিনখিম্" হায়রকলে। পিদোংম্বুনঃ ইকায় হুকি তুংথইননা কপতুনা
হায়জরকুবদা চাউবঃ পাজনবা শক্লেং পাথোম তিংহুনা লিক্লাই
কদাং শোইবুঃ তান্না চেনখি। পিদোংবু মপু মনাই অনিম্ন চুংশাথী-
বগা লোয়নবা চেলনা. চেলনা মকুং ইরুখি।

নিরাবগী মনাই থোবা থেংলোই অনিবা লেম্না লৈকাম্ খুমকপা
চৈগী চৈনাথোল লৈবদা খোংখোবা মাহ্না খানা থারুই। খোংখোবনা
ন্যাচিং ইশিং, মনিংতম্ থকে, হাপজবদা ঈশিংগী মহক্তা লৈথোম লৈনাং
কোংলনা চাউ উমশিন্নি। নিবাংনা [illegible] খোংখোবম্ চাখোক-
তুবকা থানা চেক্লপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

নিঙ্খাম ঐগী ইথুংতগী কেগে কনানা কনবা ওমগনি। নবুতো ঐনা তালোয়নীংদা চনগে নুম্মলেন লাদা য়েককে থমলিবা কেগে লৈময়োল লুচিংবী পিদোংঙবু নতিক মাপ। চাই চাদে থম্মনা পিতং পাতংপা লমজা নওনসু মিঙ্খাম ঐগী কাদা লোইরং শিংখোং য়াইম্বনা তৌয়েল খাংদা য়েংপওম য়েংচবা শারি। হৌজিকসু লমজা নচিন চুম্লবদি খাদোকপিগে য়াউবী নথয়ায় কনবিগে য়ারা কিগৈ থেংঙু" হায়রক্লে। অসুম্না রাঙ্গোন নিংথৌনা তক্কৈরবতৈ অসিদ চাউবা পাঙ্গমবা চেলক্লুনা খুরুমলগা "রাঙ্গোন নিংথৌ ইবুঙো! অশাউ পয়ে হনবিখো, পুকথা লিমথা পাবিগনু। লিক্লাই কদাং খোযোল তৌবী শোই নৈথায়বগী ওইরবদি মপু কংলা লোইশঙদা পুথংলগা অঙম অথৌ মথাঙদা রায়েল পম্বিং থাদুনা চৈরাক চৈথেং পীবিবনা মপুগী অচুম্বা রায়েল পথাপ ওইগনি। থমজৈদো নবাইনা" হঙ্গংলকপা। কদাং ঙারুংহনবা অওম্বগী মনাই চাউবা পাঙ্গনবগী য়াথাং তাবদা নিঙ্খামনা উশিং থওইদবা মীনোক্লা থাক্লা থাক্লা নোকললে। "রাঙ্গোন নিংথৌ ঐগী ইমাংদা চৈরো কাম্বেং শাতুনা রায়েল পথাপ তাক্লিবা তমব নহাক ঐবু চেংদো ইশক থওদবরা? নবুঙো ঐনা চৈরাক চৈথেং পীবদা য়েংকদবদি কেগে অওম্বা কনাগীনু মতিক লৈতে। মচিন ময়া হেনবা মথৌ মতম্বা মথৌ শাবা কেগে মীনাই মচাসি চৈরাক চৈথেং পীগনা চাইবী লৌখোকউহে" হায়রদা মনাইশিংদা য়াথং পীরকলে। শিবা কিদবা চাউবা পাঙ্গনবনি ওসি ফাওবদা কনা অমত্তমা মানু মীনাই পন্দুনা চৈথিজিবনি। রাঙ্গোন নিংথৌ নিঙ্খামগী অকনব থাওাং অদু তাবদা চাউবা পাঙ্গনবা শাউনিংবনা নুংতোন শাংলে, মথাক্তু হুমাংনা কাংলে, কয়মদগী হৌগংলক্লুনা রা অমত্তা তাওদনা থোঙ্গ শেংলোইদগী চৈ মুমগা কুগে তৌবদা মনাই অমিন্থু মমায় ওন্দুনা চেয়ে. চেগনিং-দবদগী লিঙ্খামসু মনাইশিংগী মকুং ইন্দুনা চেনখি। শাউন অবসু হুমিং অমুদি চাউবা পাঙ্গনবা লিঙ্খামু হুগে চৈথেং থনখিদে। খোং-জোংবগী রাজা চক্লিফল। লাইকমরিউ মজব অসিবা পিদোংঙ লৈথিবু

থুংলয়ে। খোংজোম্বনা অশিবা মীগী মতৌগুম রা মচেং অম্বত্তা তাঙদনা চৈমাখোঙ্গনা রাম্বহ্না তাবিরবহ্ উবদা য়াইরবী মথক্লায় মাঙ-লবোই নীংহুন্না পিদোংগুনা মশাবিবু কোন্দুনা কপলকে। "মাঙলেদনা ইবুঙো! কব্রি মতৌনো তৌরমলিবসিদি। নিঙোল লাইবকচাউবীগী ইত্তেঙ পাংবা লাকপদা মপুগী শোইদা কুমলুবনা অরা তুরৈ চল্লবরনে ইবুঙো! ননাউনা কৌজবসিবু পাম্মু নঙবু ত্রবরনে"? খোংজোম্বা হোয় মাই পাওথুম পীরক্রবদা চাউবা পাঙ্গনবনা ঈশিং লৌরুবগা মকোক্তা হাপলে মমায়দু তাথোকপিবদা রাখল লাক্লুনা মমিং পাং থোরকলে। খৌগংনবমা মরোল খোক্তবা লৈয়েং কাইরবা খোংজোম্বনা "লাইজ ঈশিং" হায়রকলে। চাউবা পাঙ্গনবনা চেনথিহুনা ঈশিং লৌরু-রগা পীথকলে। মকোক ডাগুহুনা মমিং তন্দন পাইশিবনা মীশক্তি থঙবা ওমন্ত্রে। "খৌরাংলবা রাংলেন অসিদা লাইজ ঈশিং পীথকলিব লুংশি হৈরবা নঙবু কনানো, চিংঙু খোযুম লাইরু নমু তাইবং মীর" হংলকলে মশাক্তিগী মওং মতৌহু উবদা পিদোংনু লৈরিনু মপু মনাইদো মিংলুদগী শিন্থরকপা পিরাং থিংবা ওমদবে, তিক্লা তিক্লা কপলবলে। ননাউ লাইবকচাউবী পিদোংম্নুবু চেংলৌ ইশক খঙবিত্রবরা হংলকপা লুরাগী মপাউ তাবদা খোংজোম্বা লুংশাপীরহুনা, মথুং অহু তিংথোবক্লে। পিদোংনুনা মশাবিগী মথুং অনিহু পায়রগা মথাদা চেংনা কোন শল্লে, পাখংগী মিংলুদা শিন্থরকপা পিরাংহু মথুংনা তৈথোকপিরে। মশানৌ মনেম্মচাগী লুংশি চেংলৌ মায়থোংহু চিংনা য়েংলগা খোংজোম্বা রাহৈ মতেক মতেক্লা চিঙজোয় মপাউ মেল্লকই। "শানৌ ইবেম্মা লুংশিবী! কেগে খঙদবনা খঙখি, মোইরাং তাদবনা তাপ্রগা নিঙোল লমকেং লমহেনবী তাহুনা পাখং ইম্মুং লাংগীদমক্তা "পলেম পম্মোগী মীচৈ য়াবাবু কলেগনি লুবাগী কোলোয় মিংচং থিরগনি"। মশাবিগী লুংশি য়ারা মপাউবু তারগা পিদোংনু খাঙবা ওম্লক্লে। মশাবিগী লুংশি মায়থোংবু তাউদল মানবী তথোকপী লুরাগী থুংনা নাল্লগা তম্নাঙ মেলবী লুংশি য়াবানা পাওমেনখৈ। "শাবি ইবুঙো লুংশিব থংগে

মাগী পাম্মুবা-! পাথং নম্নুং লাংগীদমক্তা নিঙোল ওইবী ঐবু কেগে লৈবাক্তা লমকেং লমহেনবীনিস্থ হায়জমনু। কেগে শাবা শল মোইরাং রাথোক ওইহুনা পলেম পন্থৌগী য়াগ্রা মীচৈ কংলবসু নিঙোলগী য়াইবীনা খোইজি মিহুল লাংফিডৈ প,ম্মু নওবু থাদোকলোই, কুংশি নাক্তা লৈজগে। কেগে কনা খঙহন্দ মোইরাং কনা উহন্দনা মোমনুগী থাঙ নিঙোল কা পিথ্রাইবীনা শেমজ-কা নুংদাইবীনা য়াজাকাদা, পাম্মু নওবু খরাই লাইবক্তজগে ননাইনা।" মশানৈগী য়ারা তাবদা খোংজোম্বা রা মখা তাবা ঙমখিদে। চাউবা পাঙনবনা খোংজোম্ববু পোরগা লম্বীদা তপ্না তপ্না চংতুনা মালেম মমশিল্লকপা ঙাইখি। পিদোংনু লৈরিনু মপু মনাই অরিদি মোংবা মরানয়াইদা হনগ্রগা নাকন খোঙ হাং-দোক্তুনা থমলে। মালেমনা মমশিল্লক্রবা মীশক মীশা খঙলক্রবা মতমদা চাউবা পাঙনবনা খোংজোম্ববু পোরগা নাকন খোঙদা চঙহুনা নিঙোলগী থাঙ কাদা থমলে। পলেম পন্থৌ খঙহন্দনা মপু মনাইনা অহীং মোংশোইবা হিদাকলাংথক থাহনা খোংজোম্ববু খরাই লাই-কম্নরে। কেগে ইনুং ঙানবদা কদাং ঙারুংহনবা অঙখা তরা চাঁকঙল চারগা কেগে কংলা খোঁগাগ্রে। ঙরাং কোরৌ নোংলেন্দগী মপারি জোম্বনা হল্লক্রবদা তম্না চাদনা তুম্বা হিপ্না চঙদনা কপ্তুনা মতম লেনজবিবী মীপাইচাউবী মমা তেংনু লাইজিংলেম্বীনা ইনুং ঙাল্লবদা যণাউ কারনরবী যণনুবীগুম কেগে খুল্লক চংতুনা থুঙং লৈকায় থুংনা কোয়হুনা মপারি খোংজোম্বগী খোঙ্গুল লীরকলে। কৈরোম্ব লৈকায়গী শামাম লেংমায়বা মমাম্বশিংদা হংবদা কনানসু খঙই উই পাউথুম পীরক্তবদা লাইবকচাউবী তোম্নু হিক্না হিক্না কপ্তুনা মমুমদা হল্লকই।

কংলা বাকৎ

কেগে ইনুং ঙাম্নবগা তম্না চাকঙল চাহুনা রাঙোন নিংথৌ লিঙ্গ্রাম্বা মনাই খোম্বা শেঙ্গোই পুম্বগা কেগে কংলা ওম্নপ্না কাম্বকলে। লিক্লাই

থাঙোই পুম্বিংলাই কেগে লৈরাক্নী কম্নাইবা অঙম-অথৌ মরাম তিন্নরুবদা নিত্রাম্বা কমকমদগী য়োগংলকলগা মপু খুয়া খাদা খুরুমহনা কদাং থারুংহনবা অঙম্বগী মনাই চাউবা পাঙনবনা মাবু চৈনা ফুম্বিরে হায়না লৈবাক মীয়াম ময়াঙদা চৈথম উংতুনা রাকংলে। কৌশিবা খোলোক রাখোক্তুনা উংহৌবা খঙ্গহৌবা কনা য়াওবগে কংনবদা নিত্রামগী মনাই খোম্বা শেঙ্গোই নত্তনা কেগে মচা কনাম্ভ চোংথোরক্লবদা মপু মোইরাং নিংথৌনা হয়েং কংলাদা চাউবা পাঙনবনু কৌখৎলম্মা য়াবা মপাউ হংলুব। কংলা রায়েন পবিং তাসি, মরাম লৈরম্লবদি মতিক চাবা চৈরাক চৈথেং পীসি সনা য়াম্বং তাকপিরবদা কম্নাইবশিংম্ভ য়ারে। নিংথৌনা খোঙ্গলংথবদা অঙম অথৌ পুম্নমকম্ভ কংলা খৌম্নমখি। কেগে অঙম্বা খরানা চিবোন চিবোন রারীনহনা কেগে লায়রবা লমজ্জা মচা উরা নহা খোংজোম্নবু থারুংহনবা অঙথম্নী মরানয়াইদা পুশিন্দুনা খবাই লাইকয়খি থাঙনবহু তাবদা থারুংহনবা ইকায় শেঙ্গোই লকওনখি। অশেংবা অচুম্বা য়ারাদি খঙ্গবনা পাউখুম পীবা ওয়-দহনা অপাউ খাম্বী মৈচাক্না খঙ্খোয থম্মচারুহনা অঙম্বা মরানয়াইদা হল্লকপা মনাই চাউব পাঙ্গনবা কৌথেকুনা হংবদা অশেংবা পাউ থংলে, কেগে লৈবাক্নী অঙম্বশিংনা থাওনবব্র চুমলে। মখাবিগী অশাউবা রাউং অয়াকপ, খোনফম তাবদা মম। মমফম্নী হমুংদগী মপ লৈথোরক্লে। লেম্বিন্নুনা খোয় জিন্নু মরুমদা তুম্বিম্বা লেপ্পুল্লা লৈরে। মুয়া নিংঙোং-মুদি মশাবি খোংজোম্নবী মনাক মোমন্নু থাক চিঙোল কাদা লেংদনা লৈরি। চাম্বা চামনা খুজিং ওইরগা অপং অউর তমহনা কেগে লৈবাক ময়াঙদা লেম্নবগুম লৈমা নিংথৌ কোম্না থাজগে নীংহনা থমজবী অমত্তা পোকপী মমোম্না কেগে পাশা তাম্বা মে ইরাং শলাই খওদবা পিতং পাতংপা লমম্না শারা মচা অমগীদমক্তা মমোম ম না চুং ওইনা লেপথবদা থারুহনবা হায়কম তৌকম খওদহনা মাঙ্গোন্দা হকং হম্না চংতুনা রাখল লম্নুরুহনা লৈরে। মপু মোইরাং নিংথৌনা থুঙলরক্না কেগে কম্নাইবশিংনা থাবকপা মপান্দু রাম্নক থাতম্না অম্নদবা

তাহুনা অমজা ইকায় কিরুক খুম্বা অাম্বেদকো খন্নুবদা অণ্ডম্বা অশাউঠ খাম্বী হাপকৎলকলে। মযোম শরুবী লৈরিম্নু কৌথোক্লুনা লমজা, পুখোম্নকঙ হায়রকলে। লৈরিম্নুনা নিঙোল কাদা চঙলগা মবেম্বগা হাত্তারে। মপু মনাঈ অনিম্নু হারকম তৌকম খঙদনা রাখল লংজিন পুম্নুনা লৈরিবম্নু উবদা করি খোক্লগদগে খন্নুবদা কিবনা খোংজোম্নু খম্মোয় তনিক তনিকলে. রাদি ঙাঙদনা মরু লুক্লুনা লৈরে। ঙারুংহবনা অমুক লৈরিম্নুবু কৌরকলে। মপাগী অশাউবা রাঙাং তাবদা নিঙোল কাদা নিংঙাইদনা লৈথোকপা য়ারক্লবদা লাইবকচ উবী পিদোংশু নুংশাখীরকলে, চিংঙ্ থাংজীং লাইবু চেংনা খাগোন্নরকলে। লৈরিম্নুনা মাঙ থাম্বগা খোংজোম্বনা ময়াইদা পিদোং-মনা তুং ইথং থংবা মখোয় অহুম মপান থোরক্লে। খোংজোম্বনা চঙশিন্নগা ঙারুংহনবদা খুরুমজে। পিদোংশু লৈরিম্নু অনিদি নুংশা-খীবনে মপাবু কিবনে নুংশা শোর খোরদৌ তানা হোমবা ঙমক্লে, মিহুল চেংগুম চেংগামরে, খম্মোয় তনিক তনিকলে, হুমাং ঈম্বিক কারকলে মতোমদা লেপচবা ঙমদহুনা খোঙজিন্দা ঙাহুনা মরু লুক্লুনা লৈরে। খোংজোম্বগী চেংলৌ মখক উবদা কদাং ঙারুহনবা মিংকম হোংদনা য়েংলকলে। অমুক উখিবা শরুম অমবু পায়মা খুংদা নীংশিং লকলে, রাখলদি লাম্বা কংলক্লবদা উনবি পুক্লিং খোয়ম্নাংবরে। লমজাউ থোম্না চাকপা খাম্বী মৈচাককুম শাউরম্বা ঙারুংহনবম্নু খঙ-হৌদনা মৈচাক মাঙখিবগুম তৌরে। খোংজোম্নবু মুম্না য়েংলগা নুংশিবা রাহৈনা থেমহুনা হংলক্লে। "পাম্নি মানবা মহাকপু, লমলেন কৈদা লৈবনো, কেগে য়ুম্নাকচা করিনো. অঙম্বা কনাগী মপারিনো, পলেম পম্মোগী কোলোয়-মিংলেম্না করি কৌবগে ?" মপাগী রাহংহু তাবদা পিদোংশু মথম্নায় ন্নারম্বা কিরম্বা খজিকং কবগুম তৌই। খোংজোম্নু কিবা খজিক কহুনা ঙারুংহনবা য়েংলগা "পম্মৌ মানবা অঙম্বা ! কেগে লমজা মচা ওই, মোহুম্নাং শাম্না শক্লুনা পিক্লা পম্মৌ শেংনবনা পুলেম পম্মৌ অনিগী কোলোয় মিংলেন খঙজদে" খুমসকই। খোংজোম্বগী

য়াৱাহু তায়গা ঙাকুংহনবা 'চিংনবদু হেনগৎলক্লে। "পাম্বি মাবা নহাকপু করিগী পায়খা মুংদা থুপচায়রিবনো? পাখং অঙবু উরগা ইপা তু চুংলে, পায়মা মুংসে চিংনবগী ঈথক ঈপোম লাংলকলে। চায়রবা মুংশিরবা শক্তম অমমা ইপাগী মাওদা লেপ্পগুম তৌরয়ে, মীংশিংবসু থোক্তে খাখল লাম্বসু কংয়ে। পায়মা মুংদা চিংনদনা পলেম পন্থৌগী কোপোয় মিংলেন হায়বু পাচা শলাই তাকউ, পাখং মঙগী কোলোয়না করি কৌবগে হংবিরক্লে অঙবা। 'লমজা ঐগী কোলোয়না উয়া নহা খোংজোম্বা কৌই। লমজা ঐবু পোকপী পলেম ইমা লায়ববীদি মপাম্বি ঐবু য়োক্লবা চিংঙ মানা থম্বিরম্মী। অপোকপা পন্থৌ মাদি পিক্লা নাউরা শেংনবমা পন্থৌ শক্তম লাক-শিনবা ঙমজদে" খুমজৈ খোংজোম্বনা। কেগে কনাগুম্বনা থেমচুনা নৌচুনা মাবু পোকপা পলেম পন্থৌগী কোলোয় মিংলেন হংলক্লবসু হায়দোকসু কেগে কয়ক চাউবনি, মোইরাং মীগী কনবনি হায়না পলেম মমা তোন্নু লাইজিংলেম্বীনা কম্মা পাওমেন্নখিবনা পলেম পন্থৌগী মমিং খঙলবসু খোংজোম্বা হায়দোকলোই মপূক্লিংদা লেপখ্রে। অপোকপা পন্থৌ মানা হংবা য়াহংগী অশেংবা পাউথুম অমত্তা খোংজোম্বনা পীরক্লবদা মপাগী মতিক মথৌনা খঙবী পিদোংনু লৈরিন্ন অনিদো নুংশাথীবমা লৈবা ঙমগ্রে। হায়কম তৌকম খঙদচুনা মখোয় অনিমু মপাদা অমুক য়েং খোংজোম্বদা অমুক য়েংচুনা লৈরে। কদাং ঙাক্লংহনবা অঙম্বনসু নিংথিনা থেমগুনা নৌচুনা হংবনদি হায়দো কউ য়ায়রোই, কিহল্লগা নমচুনা হায়দোকহনগে খল্লচুনা মনাই চাউবা পাঙ্গমবদা খোংজোম্ববু পুল্লগা থয়াই থোঙ্গালদা কোয়ৌ মৈশা। লাংহল্লু হায়রম্লগা-ইমুংদা শাউনা চঙখি। পিদোংনু লৈরিনু অনিগী মতৌ উবদা চাউবা পাঙ্গনবম্ভ খোংজোম্ববু হেক পুন্বা ঙমদচুন' পিদোংনুদা অমুক য়েং খোংজোম্বদা অমুক য়েংচুনা লৈরে। মতম অসিমক্তদা তোন্নু লাই-জিংলেম্বীনা কৈরোম্ব লৈকায়গী মচিন্দগী পাউ তাচুনা মপাম্বি খোংজোম্ববু পুন্দবগী ঙাক্লংহনবগী থয়াই থোঙ্গাল্দা চঙলকলে। চাউবা পাঙ্গনবনা

খোংজোমবু পুনগদবগী ভৌম্বিবতু উবদা লাইজিংলেম্বী পাখঙ্ঙনা চেন্থশিল্লকলে। মমাগী মথক উবদা খোংজোম্বা ইকায় খুংগি য়ান্নতুনা মন্না নুকথজ্রে।" শিদোংমু লৈরিম্ন মপু মনাইমু চঙ্কুরে। কদাং ভারুংহনবনা ইমুংদগী খোরকপদা তোমু লাইজিংম্বী উবদা ভক্কুনা মাঙোন্দা লেপতুনা লাইজিংলেম্বীবু মুন্না য়েংতুনা লৈরে, রাশি ভাঙদরে। ভারুংহনববু উবদা তোমু লাইজিংলেম্বীদি - তু চুংলে, রা ভাঙবা খোক্তে, মিংলু মাপোম অনিদা ভংতনা শিন্থরকপা শিরাংনা চীংজুম লাইজ ঈকুৎখোক খিভেল লাইজ ঈনমখাইগুম মায়খোং শিরাংনা থুমহংলে। অম্মুম্না ভাহাক রা ভাঙদনা লেপ্তুনা লৈমবগা তোমু লাইজিংলেম্বীনা ভারুংহনবা অঙম্বা য়েংলগা "কেগে লালোই কম্নাইবা অঙম্বা! মোমন্তু লাইবকচাউবী ঐগী ইপারি লমজা লায়বনু নপারিনি খন্দুনা অঙম্বনা রারক রাভেমবিদবনা কেগে মোইরাং কবানা পারি মাবু রারক রাতেমবিগনি। খঙদবা হৈতববু খঙনবা শিংনবা তাকপিম্নু, অঙম্বনা হায়বদা লমহেন্দুনা ইনজ্রগা মনম শিংনা শানা ফুখিমু" হায়রকপা তোমুগী মারাহ্ন তাবদা ভারুংহনবা ইকায়বনা রা মখা তাবা ভমজ্রে, নিংভমদবা মৈচাক্লা খম্মোয় খোম্না চাকলক্লবদা খিংবা ভমম্নবোই 'লাইজিংলেম্বী' হায়রনা চিংনা কৌব্মগা মখোল খোক কপসকলে। পাখৌ মরুপ খুংশিবা কদেং থাংজহনবা মতাওনা শিরমদাইনা শিন্নকপা মপারি খোংজোম্বু মতম অম্মুক কুইবসে ক্যাউক্লরেকো খন্নুবদা ইকায খুংশি য়াম্নবনা অঙম্বা খম্মোয় পুবা ভমলক্তে। মচাগী মশাদা লৈরিবা চৈকথশিং অতু উবদা তোমু মথরায় শোক্লা হিক্লা হিক্লা কপসকলে।' তোমুগী মতৌ উবদা ভারুংহনবনা খোংজোম্বগী মনাক্তা চঙশিন্নগা মথুৎ পায়তুনা চিংখৎপিরে, মখাদা চেংনা কোবশিরে। পাখৌ কদেং থাংজহনবনা কদাং ইথুৎ পায়তুনা শিন্নবগা পারি নঙবু ইপানা চেংলৌ শকখঙলুক্তে। পাখৌ ইবুঙো খুংশিবা, পাখৌবা খমমুং শর। তাম্নমদাই নিংশা শোর খোঙহাইনবক্লবদা নপারি মক্লি খম্না লাঙোনবিমু পাগী পাবম যৌচনখিরকউ শিন্নবগা পারি মার নতাওনা চেংলৌ শক খঙদবনা

চৈরাক চৈথেং শাগে খল্লে। কোয়েো নোংমেক্লোল থাকুনী চৌচিন পোমায় হাংদোক্লুনা মানা য়েংলম্বিনিদকো শথৌ। শাকুনা ভাইথংদে, নিংথৌনা থাইথিদে, ইবুংদা খোকলে। ইচল লাইজিংলেম্বী ইবুংবু পুকচেল পাক্লোরপুকো" হায়না নোং খোংথগুম কপালকলে। "লাই-জিংলেম্বী ঐনা কিথরবা কুমজা অমুক কুইবসি অতন্দ্রবী নাক্তা লাক্তনা মহৌ লোইবী চৌংদা শাইদাংদুনা পাম্বি মাবু চাউনবা য়োকলুকনা পাম্বিগী চেংলৌ শকথতদবনি। কেগে কল্লক চাউবা মোইরাং মীহৌ কনবনা পাম্বি মানা পাঙ্গল থরেপ কাজিবৈ শাগী পারেপ ক্লৌদনা থাংতু থজা মাতথিগত্রা পায়মা মুংদা চিংনজদুনা পলেম পল্লৌগী কোলোয়বু পাম্বি মানা তাকুবনি। মপা হাক্তকম্ন অতন্দ্রনা অমা কোঙ্গাই কনবিখি। পাম্বিগী হয়া য়েংবদা অতন্দ্রা নহাক মতনা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা কনাম্নু লৈতে। পাম্বি মানা লৈমা কোন্দা লানখিবা নিংথৌ কোন্দা য়োনখিবা কোঙ্গায় লৈরবম্নু অতন্দ্রনা পাম্বিগী চুং ওইনা লেপপিয়ু" হায়রকলে। তোনু লাইজিংলেম্বীগী মারাদু তাবদা ভারুং-হনবা পেনবিররোই "পাম্বি ইবুঙো খোংজোম্বা, ইচল লাইজিংলেম্বী মমা নচাগী শাঁ য়মা মুংদা চিংনরুগনু। ভারুংহনবা ঐনা হিংলিতৈদা পাম্বিগী তুবুম নামা শোক্লগদবা কেগে মোইম্বাং লৈবাক্তা কনাগীম্নু মতিক লৈতে। করেং ইমুং রাভানবদা পাম্বি নতগীদমক্তা ইপানা কেগে কংলাদা রাকংকে। মপু মোইরাং নিংথৌনা রাঙ্গোন নিংথৌ নিরামগী মীচংদা লেপথিদুনা কেগে লৈবাকী অতন্দ্রশিংনা মপু মাকা য়েংথ্রবম্নু অহল ওইরবা নপানা ভমলে লু-নাউ ওম্বোকে, কদাং ইতিক থতহনগে। করিগুম্বা ভমদবা থোক্লগা পাম্বি নতগীদমক্লি ইপাগী য়াংবী পাম্মুগ্ররোই" হায়না চিংত, থাংজীং লাইবু পম্দুনা রাশকলে। মপা ভারুহনবগী রাশক তাবদা তোম্নু মমা নচাম্নু থম্মোয় পেল্লে! থোংজিন্দা ভাদুনা লোয়া পাউ তাজরিবী পিদোংবু লৈরিমু অনিদি মথরায় লুংভাইথদু মচিন্না কোংদোকপাদি ভমদদুনা চেথ্না কোনশিন্নরে চাউবা পাজনবম্নু হয়াওদুনা লোকলে।

পিদোংনুগী মমা শমকবীম্না মতা তোম্নু লাইজিংলেম্বীবু য়ারী শাক্কলি হায়না ময়ানবুংদা পুশিনখ্রে। পিদোংনু লৈখিনু অনিনা খোংজোম্ববু থাম্ব নিতোল কাদা পুশিন্দুনা য়ারী শাবা হৌখ্রে। শমক-বীনা মনাই চাউনা শাকনববু থাহুনা কেগে কৈথেন্দগী লেমলৈ ঙা অচৌবা অমা লৈহল্লুরে। পিদোংনু লৈখিনু মপু মনাইনা হবাও হয়াওনা চাখুমদা চঙহুনা চাক খোংলগা নুমিং অহু মখোয় মখাম কোয়না কমখিম্নবহুনা ভমা লুকোয় মথেল চাখিম্নরে। তম্না চাবা থকপা লোইরগা খোংজোম্বা তোম্নু মমা মচা অনিম্নু মথবায় নুংঙাইনা মোংবা ময়ানমাইদা হল্লকলে। মখুম য়োরগা হিদাক লাংথক থিহুনা মপাম্বিম্নী অনা চৈনাখোল য়াঙনবা লাম্নেংলে। মমা মচানা হনম্রবদা কদাং ঙাক্কংহনবা অওবনা মনাই চাউবা পাঙনবগা ফুঙ্গা রাংমা রাংমদা কমহুনা হয়েং কেগে কংলাদা য়াকহনবা য়া তাম্নখ্রে। নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ কম্নাইবশিংনা হংলকপদা অম্নুম অম্নুম্না থুম্নু হায়না ঙাক্কং-হনবনা মনাই চাউবদা মরিক চুম্না তাকপিরে। নিংথৌদা হঙংপদা তৌগদবা থৌগললোন, চেৎমরোল অঙম অথৌ কম্নাইবশিংদা ঙাঙগদবা য়াঙাং শাঙাং পুম্নমক্কু মথংশিংনা তাকপিরে। ঙাক্কংহনবদি অহাং চুম্না য়াথলনা থোমলেন য়াম্ভাবা য়াখিদে।

কেগে ইঙ্গুং ঙাল্লকলে মোইরাং শোরা হেল্লক্লে, নোংঙাল চেক্লা চেকথুংশি উধুম কোয়ী চেক্লানা তুম তুম য়াকায়রক্লে। কেগে লৈরক থুল্লক যথ লাউরে, থুমাং লৈদা কাওরকলে। লোক্তাক লাইজ ঈপাক্তা ঙাউথু। চিংকোয় অঙনবনা লেমলৈ ঙা মুম্নরক্লে। মাহৌ ঙনবা লোমীনা মনবোং মাঙদা থাহুনা থাইলে লবুক শাংলক্লে। শিলং থঙবা মুপা খুপী শিংনা মাখী মাপী নোংমগী শিম্না পাম্নরে। অঙম অথৌ কম্নাইবা চুংমাম্ন ভাংবল লোইহাবা, কংলা থৌদা পুম্নিবা লোইশঙযচা পুম্নমক্কু ভমা চাকঙল চারগা মপু কংলা থৌগাক্কলে। চাউবা পাঙনবা, উর-নহা-খোংজোম্বা তোম্নু লাইজিংলেম্বীম্নু অহমম্নু কেগে কংলা পাংলকলে। মপু মোইরাং নিংথৌদি মনাই মশল মমায় থৌগল তৌহুনা শনা

খোঙলেংলক্লে। য়াঙ্গোন নিংথৌ শিজ্রাম্বস্তু, মমাই খোম্বা শেঙ্গোই অনিনা খৌগল তৌরগা থুংলরে। অঙম অথৌ কম্মাইবা মুনা তিন্নক্লবদা ওকস্থুলাকপা অঙম্বনা কংলা খোদা পুরিবা লোইশঙ মচা থাম্নুনা মপা-নদগী চাউবা পাঙ্গনববু সনা মাঙদা কৌশিল্লে। মপুগী য়াম্বং য়াওদনা চঙবা য়াদবা লিক্লাই কদাং শোই নিংথৌগী ভায়োক পাংতা কুমম্নুনা শরো থম্বাল নৈহংপা লমজা মচা উরা-নহা-খোংজোম্বগী হাকন চঙম্নুনা মজাইবুঙো মথং খম্বা কেগে লৈবাকী য়াঙ্গোন নিংথৌবু চাউবা পাঙ্গনবা নহাক্লা করিগীদথক্তা ফুম্বিবনো হংলকলে। ওকস্থুলাকপা কম্মাইবগী রাহংতু তারগা চাউবা পাঙ্গনবনা চৈয় ভক্লা য়েংতুনা থুকউ লেনা তাম্নুনা মপুগী থুয়া খাদা "ঐবু লোইবা লৈমাবা, ননাইবু লোইবা ইনিংথৌ, মপুগী সনা হৈরু ওইবিবা মজাইবুঙোবু ফুজদে। তাওনা শংলবা মমল নাইত্রবা সনা হৈরুবু য়াংদৌ লম্বখাংদা মাঙখিগন্রা! থনজম্নুনা ননাইনা থুল্লগা চৈঙ ফিগাউদা হাপ্তুনা পুজরকপানি" হঙ্গংলক্লে। হংবনা অমা হংলগা খুম্বনা তাইওম্রনা খুম্নকপা চাউবা পাঙ্গনবগী শাউখুম অহু তাবদা ওকস্থুলাকপা অঙম্বা শাউরে, মপু মোইরাং নিংথৌস্থ ভকলে, কম্মাইবশিংস্থ চমমনরে, ভারুংহনবদি মায়খোং মকা লামলকলে। "চাউবা পাঙ্গনবা নঙগী য়াবাসি মীনম্বমি লোবা য়াদে। মথং থম্বনদি চাউবা নঙনা ফুই হায়ম্নুনা চৈকম উম্তুনা ক লাদা য়াকংলি। ফুই যুদেদি খুমদনা নঙম। মজাইবুঙোবু কনজরকপনি মীনম য়াম্বানা শেম শাম্নুনা ভাঙবদি কেগে চৈরাপ রায়েলশং, কুচু খোদাপুংবু থওহন্দবরা? য়াম্বা থিগৈ শেংম্রবদি মপুগী চৈম্নাক কংগনি" হায়না ওকস্থুলাকপনা খোম্নুনা হংলকলে। মাগী মনাক্তা চুং ওইনা কমলিবা কদাং ভারুংহনবা অঙম্বনা মানা শোইরবস্থ ভাকপিগনি, লাল্লবস্থ কনবিগনি হন্নুনা জুমিং অহু চাউবা পাঙ্গনবগী মপুক্লিংদা করিস্থ মাচুংখিদে কনাবুস্থ শিন্নমদে। "ননাইনা সনা মাঙদা হঙ্গংচম্বিবা য়ারাসি লিক্লাই ইবুঙো ইনিংথৌগী য়াইক কোলোয় ওইননবা, অচুম্বা অওইবা য়াবা অহুতা চিঙ্গোয়নজবনি। শানগী মনাউবা পানমাউ হায়বনি," শিংগী মমাউনা

শিংনাউ কৌবনি। পান্নবাউবু শিংনাউ কৌবা য়াবা নত্তে। অরুবনা ভাইদা থম, অনৈবিজা য়াইদা চল, সনাগী মহুত্তা য়াইভংনা শিন লুপাগী মহুৎতা পান্না শিন অচাকপা খাম্বী মৈরিবু চয়ৈ কিনা কুপ্তুনা কয়া কুইনা খম্বা য়াগনি কেগে খোইম্বাং লৈবাক্তা। সম না ময়ুং কারগা লুপানা মকেল য়ৈত্নুনা হৈকোয় মথীং য়াংতনা লায়েল. কিজিন চন্দুনা ইয়োং লাইজি খোংখিবা মপু চয়ৈ নমথাংবু চয়ৈ কিনুম কাজ্রিডৈ কিগে ইয়োং তংকয়োই সনা কিগে মাঙকয়োই। লৈমা কোন্দা চাক্তারম্বী নিংথৌ কোন্দা য়াতা-রম্বী পোম্বী চাদি তুম্নানবী চেক্লানা মখৌ ইপোং পোং পোম্বী মঙক ইচোই চোই, কংলা উত্রাশঙদা তোংচুম্বা পোম্বী মানা খোংজবা ইনিংথৌ কবিগী তাবিদবগে"? অসুম্না চাউবা পাঙ্গনবনা পাউখোং চন্দুনা হৌখিবা থৌদোক কয়াবু অপনবা লৈতনা মীয়াম মমাঙদা ফোংদোক-লক্লবদা নিংথৌ মরু লুক্তুনা য়াথল তৌরকলে. অঙম অথৌ ময়ামসু লোয়া চিবোন চিবোন য়াতায়রে। য়াংলেন নিংথৌ নিত্রাম মায়খোং খেঙুম লাংশিল্লে, কদাং তাকুংহনবদি মায়খোং মকা লাম্না হুয়াওরে।

য়াংলেন মিকুপ খবদি কেগে কংলাহু উন য়াইমুক চিকপ্রে, মালং মুংশিং কাওবা নাকোইনবা শিংথ্রে। নোংথোনবা, ওকচিল্লাকপা, তোলোমখোম্বা অহল ওইরবা কয়াইবশিংসু হৌখিবা থৌদোক কয়া নীংশিংবদা য়াখল লাম্বা ফংনল্লে। অঙম অথৌ কয়াইবা খিবিক্লা মপুগী য়াকা য়েংছুনা তুমিন তুমিন্না লৈমখবদা তোলোমখোম্বা অঙথদি কমকমদগী কৌগংলক্লগা নিংথৌবু থুক্রুমজৈ। ইপুনা তাকপিনিংবা পায়মা সুংগী য়াম্বা করি লৈবগে চিংনবা লৈতনা তাকপিয়ো হায়রকলে। নিংথৌগী য়াথং কংলবদা তোলোমখোম্বা খুংকাং চাংজৌ তরা লোয়না মপুদা হঙংলকই "নিক্লাই ভাঙোই ইনিংথৌ! নমাই চাউবা পাঙলবনা লমজা মচা উক্তা-মহা-খোংজোম্ববু সনা হৈক্রুমি চিয়োয়নরিবা অসিবু কেলে, লৈবাক্তা কাউনথ্রবা মমাঙচংকী করম্বা য়ায়াবু মপু পায়মা উনগোইদুংদা নীংশিংখিবা লৈবগে? নদাইমেম ওকচিঙলাকপা তোলোমখোম্বদি অহল. মমা ওইখিবনা পায়মা য়াখল লোইনাইরে

লংলা লংজিন্ন কংবা ওমত্রে"। তোম্বোমখোম্বগী য়াবাহ্ন তাবদা মোইরাং নিংথৌ য়াথল লাম্বা কংত্রে তুমিন্না মরু লুক্কুনা লৈগে লৈরাকী কয়াইবা অওয়শিং কনা অমত্তনা কাংথোক্লবা ওয়য়ক্রবদা কদাং তাক্লং- হনবা অওয়না থোরক্কুনা নিংথৌবু থুরম্নগা হংলকলে। "লিক্লাই তাক্লোই পুরিংলাউ পায়না শিন্নৈলোম্বা কদাং তাক্লংহনববা মপু থুম্বা খাদা হৌখিবা কুমলেন কুমজা অমদা থোকখিবা থৌদোক থাথোক কাউনখ্রবা য়াকম কয়া মপু থুম্বা খাদা হুঙ্গংচনিংবদু লৈতোন কিসি কিরে থনাউ চাক পল্লে"। মনাইগী চিংনবা রাজাংহু তাবদা নিংথৌনা ননীং তম্না অথওব অউবা পুম্বা লৈবাক মাংওদা কোংদোকউ লাকপিয়ে। নিংথৌগী য়াথং ফংলবদা কদাং তাক্লংহনবা অকিবা চিংনবা লৈতনা হৌখিবা থৌদোক রারী কয়াবু সনা মাওদা মথংশিংদা জিন্নকলে। "অহুটৈ কুমজা অমদা চিংও থাংজীং লাইপাউ তুংইন্না য়াওথৌ শারম চামা লেমত্রে তাম্নম চামা কারগা কেগে কংলা শওলাংমৈদা খাহোং- ঙৈদা লৈমনুকোন্দা চাক্কারগী নিংথৌ কোন্দা য়াতারগী লিক্লাই কোলোক- মিংমান্নবীবু লৈমাশীংদগী লৈচাশং অন্নাম য়ুমদা থোওদাখিবী অহুগুম্বী নুজ মঙোন্দ সনা মিতম লাকখিবা থোয়নি ঈপোম লাংখিবা মীংশিং- নিডাই ওইবা করুম্বা য়ারা লৈবগে ইনিংথৌ! তিন্নাং মাবু থয়োংনা পায়মা য়াথল তৌবিয়ু। য়ামজেম মৈম্বা মুৎথবা নদাইরেম অমগী য়ারাবু নীংশিংওবদা ননাইগী পায়ম লুংসে উমথি মখিল নাইরকলে"। মনাইগী য়ারাহু তাবদা নিংথৌনা ইদাইরেম তাক্লংহব। মগী য়ারা অসিবু কীংশিংবা থোক্কয়ে, নিংথৌ ঐগী ইকমদা চিংনবা লৈতনা য়ারা কিগে শেংলোগবা অওম্বা হায়ৱকপা নিংথৌগী য়াথং ফংলবদা তাক্লংহনবনা কংলা থৌদা পুরিবা লোংউশঙ মচা কৌশিল্লগা মপান্দা লৈখিবী থোং- জোম্বগী পলেম ময়া কৌশিল্লকউ থৌদারকলে। লোইশঙ মচানা তোপু লাইজিংলেম্বীবু পুদ্রম্বা সনা মাওদা লাক্লগা নিংথৌ থুরমলে। তোপু লাইজিংলেম্বীগী চংলো মশক উবদা নিংথৌ খাই লাউই, থওহৈদনা তু চুংই, হমাং ইবিক কাই, মুরা মাবু লংজিক য়েংই। লাইজিংলেম্বীথি

ইনিংখোগা সনা খিংচাম্না য়েংবদি ওমজদবনা মালেম নৈদা লুক্কুনা মিংথুদা শিংয়রক্পা পিরাংনা মায়খোং থঙ্বাল চৌংলকল্লে। লাই-জিংলোম্বাগী মঙং মতৌ উবদা অঙম অথৌ ময়ামদো ওনশিন্ন ওনখিন্নুনা চিংখোন চিংখোম ওঙনরকলে, নীংশিংবস্তু য়াওরে। কদাং ঙাকুংহনবনা নিংথৌগী মাঙদা থুক্ক থুদক নৈদা কুল্লগা থুংকাং চাংজো ত্রবা লোয়রক্পা "লায়রবী চবে মনজুনরবী লাইবকচাউবী নুরা অসিবু সনা য়িংয়েং ঙাবিয়গা রায়েল পবিং ঙাবিগনি ইনিংথৌ হঙংলকলে। মনাই ঙাকুংহনবগী য়ায়াংহুঁ তাবগা লৌশিং চাউবা নিংথৌনা অওম্বশিংগী মপু-কনিংদা চিংনরবিহুঁ কোকনবা মনাইবু কোংদোকহনগে খল্লক্রে। "ইদাহিরেম ঙাকুংহনবা, সনা কিওম মরেক লায়বী চনা অসিবু উখি-বওম তৌরে, পায়মা লংদা মখেক শেংনা নীংশিংবদি খোক্রে। নিংথৌ ঐমা চিংনরিবা কেগে নৈব'ক্ক খঙনিংঙিবা রাকম অসি ইদাই-রেম মঙনা কোংদোকলে" হায়রকপা মপুগী সনা য়াথং কংলবদা ঙাকুংহনবা মংশাঙ্গল মথৌনা হাপকংলক্রে। "মনাইগী ইচিল অসিনা মপু থুয়া খাদা করয়া হঙংলসিগে ইনিংথৌ! অহুঙ্ কুমলেন কুমজ্রা অমদা কেগে কংলা শঙলাংমৈদা শাংহোং ঙাহোংবদা লিক্লাই কোলোয় মিংলায়রবীবু ঙালোয়শিংদা চম, লুমলেন লাদা খেক্রবদি নপারি শাংতবা শাংকনি নখোম ফুইদবা ফুইগনি তাকশিখিবা চিংও থাংজীং লাই-পাউবু কোকৌ খোংদা কাকরোই ম লেম নৈদা তাকয়োই। নিংথৌ য়াথং ভুংইয়া কেগে কংলা য়ুথীদা কাউদ উবাইঁ থয়বা ওকচিলসাকপা অওঙনা রাকং থাওলেম থাওকম অহুম ইকখিবা কেগে কনাগী য়স্তুং-লাংনীনে। অওবা কনাগী য়াথোকীনৌ মপু সনা উনশোইপুং পায়মা যাখল তৌবিয়ু লংলা লংজিন খায়দোকশিয়ু ইনিংথৌ। কেগে লৈবাক্কী অমদি লিক্লাই ওাঙৌই ইনিংথৌগীদমক্তা থাঙলন ফেংনা পুংওম খোক্র মথেং ঙাব্রবা, থুংবু থাওলেনওম মথৌ মখা কুমশবা নদাইরেম কদেং থাংজিহনবীনা লিক্লাইনা কাবি শিন্নবিখিবগে"। ঙাকুংহনবগী য়ায়াঙ্গ ঙাবগু অঙম থংথৌ পুম্মক্তা তোঙ লাইনিংলেরীবু মুথা লোকপগা য়াদি হুপা ইয়াদরকলে। থুপা মহাকপু খল্লোয় ঙমাং অপোইদে, মিংলু

মলোম অমিদা পিপী ঈমা শিমুগা হিক্লা হিক্লা কপজকলে। খুরাকপী থাতাও তাবগা লৌশিংশিংবা নিংথৌদো লৈবাক শুরো লোংয়েক্লগে মনাটপী খৌংবা থুংজনে থরক্লে। "চুপি ইদাইবেম, কেগে লৈমরোল লুচিংবী নিংথৌ কোলোম্ন মিংযাম্নবী তোম্বু লাইখিংলেম্বীবু লৈম্নাশীংদগী লৈচাশেং অয়াম থোংদাক্লনবা ইদাইরেম কলেং থাংজহনবদা শিন্নবি। মোমবু থোয়জি থাদা লোইদাম থাবুম অহুম তাউজিং হৈবাং মীতাম্নবী, থোয়জি মিহুল লাংঅবী থুবা মাবু ইদাইরেম কদেংগী অমা থয়াই লাইকয়বা থাতৈদা অতম অথৌ মীমাঙদা য়াকং থাঙলেনবা রায়েল কংলা মুখীদা থাওকম অহুম হকখিবা মুদা মাবু অগিবা? নিংথৌ ঐগী লিক্লাং পয়েংদগী চোইখিবা সনা লিকলু অহুম য়াংদৌ লম্বথাংদা মাওন্নিবরনে অঙন্না?" মপুগী রাতাও তাবদা কদাং তাক্কংহনবনা মচল তোম্বুদা থুম্বু লোম্না ইজিং তৌবক্লবদা লাইখিংলেম্বীনা থুক্লম্নগা মপু থুমা থাদা হঙংলকলে। "কেগে লৈবাক রাথোক ওই, লৈমশীংদগী লৈচা শেং নদাইরেম কলেংদা থাখিবী মোমবু লাইবকচাহবী অহু ঐহাক্লি। সনা ঈনা ঈহুল তম মোমবু ঈনা ঈপাল লাং লিক্লাই তাঙোই লিক্লাংদগী কেনখিবা সনা লিকলু অহুবু মুজাগী কিজিদা কিহুনা মাঙদনব থমজবিমে ইনিংথৌ"। লাইখিংলেম্বীগী য়াবাহু তাবদা নিংথৌ মুংতাইরে অতম অথৌ ময়ামম্নু হয়াওনয়ে। কেগে লৈমরোল লুচিংবী! তাঙোই লিক্লাং পয়েংদগী চোইখিবা সনা লিকলু অহু নিংথৌ ইকমদা থীম্নরো। কেগে লৈবাক মীমাঙদা লিক্লাং পরেং কানবা লিকলু মাবু হাপচিন্নগে হায়রকলে। মপুগী য়াথং কংলবদা তোম্বু লাই-খিংলেম্বী মপুক্লিং মুংশিনা রায়োনা কপজুনা হঙংলকলে! "কেগে কংলা রায়েনলঙ মপু থুমা থাসিদা লায়রবী পলেম মমা ঐনা য়াকচবদি পাল্লি থোংজোম্নগী পারি পুম্নি থীগে লাকচবা নংচদে। পদুৌ থানা দ'জোন্নবা লায়রবী পলেম্না নাউয়োকপনা কেগে নমুদা ওই, মোইরাং শুবা শকথবা পামবিগী হবা য়োবদা কেগে কমাম্নু উমুক্লবু, মুখদা মাবু লিক্লাই কদাং শোইবুংখক্লা পুথংলগা ঈঙ্গাং পাজক্লা, ঈবু পাক-কেমনা শিবা থচেং থাকা য়াইকী লৌথে তেমশিংবাজি লৈমাগী কগী

মপা খুইখিরিবা অঙম অথৌশিংনা অচুম অরাম খিবিরগা য়ায়েল পরিং তাবিবু কেপে কংলাদা য়াকংচরি। কেগেদা লমজা লৈহেন্রে, মোইরাংদা শারা পারহেন্রে। চিংঙ্ খোয়ুম নোংদম্বা মোমবু লাইবক-চাউবী ঐগী মামজেন ইরাইরক্তা ওন্থোক্লা থিনা তখিগ্রবোইদকো"। থমোয় পোকনা তেংথাবা তোম্বু লাইজিংলেম্বীগী মীকপথোল তাবদা লৈবাক মীয়াম পূম্নমক ভুখিন ভুখিন লৈনখি, য়াজোম নিংথৌ নিরামদি ইকায়বনা কমকম লাংদা কম্বা ওয়ক্লে। তারুংহনবনা চঙশিন্নুনা, 'লাইজিং-লেম্বী! অহুওবা য়ায়াবু মপু সনা মাঙদা চিঙোয়নবা হৌনদে, অয়োল অয়ান থোকনি' হায়না মচল তোম্বুবু থামজিল্লি। "মূলা পায়মা মুংদা পুকলৌ পারোলা নাইমু কিশি থমলগনু। খোয়ুম নোংদমখোলনা কনখিবনা পারি মাবু কাউথোকলুরে। নিংথৌ ঐগী খোমলেন মঙ-লানচান্দা ইবুথৌ থাংজীংনা মঙকাওনহুনা কেগে লৈবাক চঙনা সনা ঈ অশেংবা থীবদা মমা নচাগী খোঙ্গুল মাঙখিবনা পারিগী লংলা লংজিল থিবা কংখিদে। হৌজিক্তি নিংথৌ ইখুংতা শিন্নরো, কেগে লৈবাক মীমাঙদা পারি মাবু লৌশিল্লগে" হায়রকলে। নিংথৌগী সনা য়াথং কংলবদা কদাং তারুংহনবা অঙম্বনা মনাই চাউবা পাঙনবা থাহুনা কংলাগী চুরিদা কমলিবা খোংজোম্ববু পুশিলহল্লগা নিংথৌদা খুরুমহুনা কংলে। তোম্বু লাইজিংলেম্বীগী মপারি উরা-নহা-খোংজোম্ববু নিংথৌ ঐনা পারি শক্লা লৌশিল্লবনি হায়রক্লবদা কদাং তারুংহনবনা খোংজোম্বগী মখুং পায়রুনা চিংশিল্লগা নিংথৌদা থুংশিন্নরে নিংথৌ হবাওরে। খোংজোম্বদি মঙগী মতৌগুমলে রা তাউকম থঙদহুনা মমাদা চিংনা য়েংলক্লে। মচাগী মতৌহু উবদা তোম্বুনা "পারি ইবুঙো মুংশিবা পায়রম্বা মুংদা চিংনবগী ঈথক ঈপোম লাংলগনু। চহী কুমজা অমুক কুইবনে পারি মথেল কাক্তি পায়মা মুংদা থজুনা ইথানা পম্থোগী অশেঙবা কোজোম্য তাক্লনি। অদি কেগে লৈবাক মীমাঙদা পারি নঙবু ইথানা পম্থোগী মকমদা লিয়ররনি" হায়রকলে। তোম্বুগী য়ায়াবু তাবদা নিংথৌ লেপ্লে, মপারি খোংজোম্ববু মুংশিল্লা কোনশিন্লে, লৈবাক মীয়াম হয়াওনরে, কদাং তারুংহনবা তোম্বু লাইজিংলেম্বী অশিবু

খম্নোয় পেমনা ফুংঙাইজরে। লৈবাক্কী অঙম অথো কম্লাইবা পুম্নমক্না খোংজোম্বগা শকথঙ মায়থঙনহল্লে। তুংদা মমৌম লৈমদবা নিত্রামপা মখোয় অনিস্থ লেঙ্গোমহল্লে। নিংথৌনা খোংথোনবা ওকথুনাকপা তোলোমথোম্বা, কদাং ডাক্লংহনবনচিংবা অঙম অথৌ কম্লাইবশিংদা মপাল্লি খোংজোম্ববু হৈননবা তাকপি তবিমু শিন্নরে। অঙম অথৌ-শিংনা খোংজোম্ববু লোইদাম থাবুম অহুম চুম্না লৈবাক্কী চহনরোল খোগললোন, কংলাগী থৌদা, রায়েল পথাপ, লৈঙাকলোন পুম্নমক শুনা তম্বিবা লোইরবদা শান্নানগী লানগুং কাংলোম কম্রাস্থ অমত্তা চিংথনা তাকপিরে। খোংজোম্বনা মপুকোম্না লৈখিবা কোয়ৌ খুমং অহুনগী শাবি শানৌ অনি অসি চেংজৌ মশক উনখিল্লে, য়াম্না মপাউ ডানখিল্লে। মুম্না পিদোংথুদি রাথলম্না তুম্বা চাবা খোয়দাল্লে। মোইরাং নিংথৌ লাইজিংখু পুনশিবনা অহল মদম ওইশিল্লকবদা মপাল্লি খোংজোম্বদা নিংথৌ কম্বাল শিন্নরগে থল্লক্লে। লৈবাক্কী অঙম অথৌ কম্লাইবশিংগা তান্নবদসু মহুনা কগুনি হুঙংলে। কদাং ডাক্লং-হুনবগী মমোমলোই মুম্না চেংলৌ শুকহৈনবী লৈমরোল অথোইথী পিদোংঙ্গুবু খোংজোম্বদা থাজরে। কোয়েৌ খুমিং অকবা থবান অচৈবা য়েংলগা কেগে লৈবাক্কী অঙম অথৌ শুনা তিনবা মীয়ামগী মমাঙদা হৌজং থরাই পুম্নুনা লুহোংলে। অহল ওইরবা নিংথৌনা মপাল্লি ঊয়া নহ খোংজোম্বদা লৈনা রায়তাংনা শম্না কেগে মোইরাং লৈবাক্কী নিংথৌ কম্বাল শিন্নরে। নিংথৌনা য়োকচবা নিত্রাম্না রাজ্যোন নিংথৌ ওইরে। খোংজোম্বী নিত্রাম মখোয় অমিই পোকশিন্নবা মচিল মনাও [illegible] তিমনা লৈবাক্কী রায়েল থৌনা পুমিম্নবগী [illegible] মোইরাং মম্না তম্না পাল্লে। পুম্নিবনাই [illegible] নিংথৌ [illegible] পানবদগী কেগে লৈচাউ খুঙাওবে [illegible] মথালৌ [illegible] [illegible] মোইরাং [illegible] [illegible] [illegible]

—ঃ লোইরবাঃ—